কবি খ্বাইরাকপম চাউবা
অমসুং
মহাক্কী সাহিত্য



:থামজিনবা :
প্রফুল্লো সিংহ

কবি খ্বাইরাকপম চাউবা

অমস্তুং

মহাক্কী সাহিত্য

খোমজিনজবা :

শ্রীথোকচোম প্রফুল্লো সিংহ

ফোঙজরিবী :

শ্রীমতি খ্বাইরাকপম সোরোজিনি দেবী.
ছিংঙা মখা, ক্ষেত্রি লৈকাই। [illegible]-২২৭০১২।

লাইবিক ফংফম :
অযোঙবা য়ুম অমসুং লাইরিক য়োনফমশিং :

অহানবা থুংনম ১৯৯৬ ইং
কোপী ১,৫০০

পাক্কা মমল লুপা ৩৫০
কচ্চা মমল লুপা ৩০০


ছাপা নমবা :
মুথি প্রিন্টিং সেন্টর, শিংজমৈ বাজার কৈথেল মখা, ইম্ফাল।

'কচ্চবা'

হীরম্ খুদিং শোখবা লৈত্তনা
মরৈবাক্কা মীরৈবাক্কা মীমাঙ্গনীংহন ;
তুংগী মীৎয়েং শাংথৈর'
ইরৈবাক্ ইরমদম্ সাহিত্যগী—
মথল্ মথেল্‌গী লৈরাংনা
শীংলে নাচোম্ শেম্বীরম্.
লৈরাং পরেং লেংবীরম্
কবি খাইরাকপম চাউবনা
ইজাতিদা খুদোল্ তম্বীরম্বা
বারেং শৈবেংগী লাইরিক্‌শিং
তোল্লবনা খোমজিন্ তাশিঙ্গবগা
লাইরিক্ মপুম্ শাগৎচরগা
"কবি শ্রীখাইরাকপম্ চাউবা অমস্তুং
মহাক্কী সাহিত্য" মিংথোঙ্গরগা
পুথোকচরিবা লাইরিক্'স
ইজাতিগী সাহিত্য সেবক্ সেবিকাশিংদা
ভক্তিগা লোযননা কথোক্চরি— ।

শ্রীথোক্‌চোম্ প্রফুল্লো সিংহ

কবি শ্রীখ্বাইরাকপম চাঁউবা সিংহ, সাহিত্যরত্ন



(২৭-১-১৮৯৬ ইং, ৯-১১-১৯৫০ ইং)

বামাঙ য়ানবা ওইনা বারোল খরা

লৈবাক অমগী সাহিত্য (পুদিল) হায়বসি লৈবাক্কুগী শকয়েং মিংশেলনী মরমদি সাহিত্য হায়বসি মিংশেলগা পাংথক্নি। মিংশেলদা পোৎকী মমি তাই, তারিবা, মমিদু য়েংলুরগা নত্রগা ঈরুরগা ঐথোয়না পোৎ অদু খঙবা ঙম্মি। লৈবাক অমগী সাহিত্যগী মণ্ডল, থাক য়েংলুরগা লৈবাক অদুগী চহী চা-সীশিং কয়াগী মমাঙদা ওইরম্বা অমদি হৌজিক হৌজিক ওইরিবা চাওখৎপগী পাদম লাকপা ঙম্মি। ফজরবা ফুরা দলান, লম্বী থোং, চাউরবা বল কারখানা (factory)ময়াম অমা লৈবা উরুরগা ঐখোয়না লৈবাক অদু হীরম শুনা চাওখৎলে হেক মহায়গদবা নত্তে। মতদি লৈবাক্কুগী শেল-থুমগী অবস্থা (economic condition) গী মতুংইনবা পোৎশক্কী মেটিরিয়েলিজমগী বানি। লৈবাক অমদা লৈরিবা মীশিংগী মীহৌরোলগা মরী লৈনরবা, হৌন-লোনচৎ, খুনাই, আধ্যাত্মিক ওইবা বাখল্লোন, কলা, সংসকৃত্তি অমসুং সাহিত্যনা লৈবাক্কুগী চাউখৎপগী অহানবা পাদম লাক্কম্মি। মসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা বাফম্নি।

চীংগী শরুক্তা য়ামলবা তম্নামাথোই খরা হেন্না ওইরবা অদুগা তম্পাক্কী লম্না শরুক অমথক্তমক ওইরবা পীক্রবা ঐখোয়গী ইরৈবাক ইরমদম অসিগীসু শীংথানিঙাই ওইরবা নীংথিজরবা মশাগী শাগোলক্তরকপা সাহিত্য অদুম্থক মরৈজে। ভারত্তা লৈরিবা অচৌ অচৌবা জাতিশিংগী সাহিত্যগা পীক্রবা ঐখোয়গী জাতি অসিগী সাহিত্যগা চাংদন্নবদা ঐখোয়গী সাহিত্যনা য়াম্না হন্থবা থাক্তা লৈবমক্নি নত্তে। মনিপুরী সাহিত্যগী লৈকোন্দসু মনম চেল্লব। মখল-মখাগী সাহিত্য লৈরাং শাক্তবা নত্তে। শাৎলি, মখল-মখাগী লৈরাং পাম্বী কলম শেম্বা, থাবা অমসুং য়োকখৎপা লৈশোম্বা মাঙ্গিগী মশীংসু লৈতবা নত্তে। অপীকপা লৈরাং ওইরবসু লৈহাউ লৈরেনগী মুংশিরবা লৈনম চেল্লি, মনিপুরী সাহিত্যগী লৈরাংসু মুংশিরবা লৈনম ফাওরি, চীংলোন লাম্না থাপা অমদি সমক্রু বাংমা লাম্না মহাক্কী লৈনম শন্দোকখিবমক ঙমদ্রবসু।

মরক অমা মণিপুরী সাহিত্য লৈরাং খুইরুম চল্লুরে, মতম অদু শান্তিদাস গোষায়না (মহাক্কী ময়ুম্না নরসিংহ টিল্লা, শ্রীহট্ট জিলা, ইষ্ট বেঙ্গল হৌজিক্তা বঙ্গলাদেশ) মহাক্কী খোঙলোয় ভগবান দাস, নারায়ন দাস কৌবা অনিগা লোয়ননা খৃঃ ১৭১৬ ইংদা মনিপুরদা ঙাক্রম চীংজেং ফাওরগা খোঙদোইরকখিবা অমসুং খোঙদাদুনা লৈখিবা, ইনিংথৌ গরিবনিবাজ (পামহৈবা) না মতিক মঙল ফংদোক্কনা হাইনা হুম্না পাল্লিবৈগী (খৃঃ ১৭০৯-১৭৪৮) অমসুং মৈতৈগী মখল-মখাগী অরিবা লাইরিক পুয়া ময়াম অমা ১২০ গী মথক্তা। (মৈত্রবাক্কী লুপ খরনা মখোয়না থিজিন হুমজিল্লুরবা মতুংদা মৈতৈগী হান্না লৈরম্বা লাইরিক, পুয়াশিংগী মশীং ৪৩২২ নি অদুগা মৈ থাদুনা মাঙহনখিবনা ১৮৮৬ হায়না ফোঙদোক্লকলি।) তৌনিংবত তৌবা ঙম্মি হায়বা মতাগুম লৈবাক অসিগী মচি-অচি মফম কয়াদগী খোমগৎলগা কংলা উত্রামাঙদা পৈরগা মৈ থাদোক্কনা মাঙহনখিবা

মতম অমম্বুং মত্তুগী মতুং তাবা ভাগ্যচন্দ্র (চীংথংখোম্বা) মহারাজনা পানখিবগী (খৃঃ ১৭৬৩ ১৭৯৮) হেক মমাঙগী মতম অচুম্বাইদনি অচুম্বু মক লেফ্‌ংমক্কি কংখিদবনা মনিপুরী সাহিত্য লৈকোলগী লৈরাং নৌনা য়েন্নীং হুল্লকখি, ময়োল চোংখৎলকখি অমসুং থীন্দনা মশা-মরেং ফন্দোকপা হৌরকখি। হৌজিক্তি মনিপুরী সাহিত্য লৈরাং লৈশাং ওমলক্রে, মসি লৈখিদ্রবা অমসুং ঐখোয়গী ইরক্কা লৈরিবা লৈশোম্বা মালি (কবি), সাহিত্যকারশিংগী হোৎনজমন মহয়নী। খুইঅক্করবা সাহিত্য লৈরাংশিং মথুংমক্তা ঈশিং চাইহুনা অমসুং অনৌ অনৌবা লৈবাং পাম্বী কয়া থাহনা সাহিত্য লৈরাং কয়া লৈশাং ওমহল্লক্কিবা অমদি সাহিত্য লৈকোলবু নীংথিজহল্লিবা শম্না হায়রবদা মনিপুরী সাহিত্য চাওখৎহনবদা মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্কনা অচৌবা খুদোল ওমলিবা মখোয়শিং অসিদা ঐখোযনা চাউববা লমন তোল্লবনি।

পুনীংদা হুংডাইজবা পোকপা ৱাকম অমদি ইজাতিগী নহারোলশিংগী মরক্তা উপন্যাস, নাটক, লীলা (শুমাঙ লীলা, রেডিও লীলা) ৱারেং, শৈরেংনচিংবা ইবা নহারোল অইবশিং পোকপা আসনি, মখোয়সু মনিপুরী সাহিত্য লৈকোল শেমগৎপদা অঙম্বা থৌদাং লৌরি। মখোয়না ইবা লীলাশিংদা ফজ রবা অৱাংবা থাক্কী ডাইলোক কয়ানা যুংনমন চানা লৈথেৎ হাপ্পি, ডাইলোকশিং অচু য়ান্না সাহিত্যিক ওই। অসিগুম্বা নহারোল অইবশিং অসিবু ঐখোয়না পুরীং থোংনম্বিবা অমদি মখোয়দা অংম্বা মংং পীবা তঙায়ফদে। লাইরিক ইবদা চৎনা চংনদে, অহন্নদগী নহানা হেনগস্য কোংঙ্গাযনী। থাশ হৌরি —লমদমসিদা শীংথবা য়াবা নহারোল সাহিত্যকার কয়া থোকবখিগনি, থোকপা ওইসন্ন।

পঞ্জনীংবা ৱাকম অমনা তৌনীংবত তৌবা ওমলবা নিংথৌগী অমাম্বা চানা যাথং মওংইনা পুনসি লেনবা নত্তনদি অৱাকমদা তাগদবনিনা অযাম্বনা মশাগী ভাষা চংলনা লাইনীং (ধর্ম) থাদোক্কনা রমান্দি ধর্ম চংলকখিবদগী বৈষ্ণব ধর্মদা অমুক ওইবকখিবা অমসু বেঙ্গল সম্প্রদাযদা মপুঙ ওইনা পুক্নীং হুকচাং অনীমক চপ যংনা লনশিনখিবদগী, অহোংবা অমা লাকপগী হৌনবা অপেন-পেন্দগী ৱাকম লৈনখিদনা নত্তে। পোং থুদিংমক্কী অফ ফত্তু (merit & demerit) লৈবা মগানা তাবনী; অফবসু ময়াংরমগনি।

মৈত্রবাক্তা খোঙকম চেংলবা বৈষ্ণব সম্প্রদায অমা শেমগৎলকখিবদগী ভারতকী নোংচুপ-লোমগী সাহিত্যবু মরুওইনা বাঙ্গলা সাহিত্যবু শক-নায থংবা ডমখি মতুংদগী মনিপুরী সাহিত্য লৈকোনগী অৱাং-অপা লেনখৎপদা মতেং ওইনখিদবদি নত্তে, লৈরাং মশীং হেনগৎলকখি, সাহিত্যগী পুক্কে ৱাংখৎলখি—মসিনদি খঙনরবা ৱাফনি। নাথৈশেংদবদগী চরক-চহিংনন্না, চময়না অমদি খোয়চাক-লিনচাক্না লৈনরিবা ৱাকম হায়নবু—ইজাতিগী হৌরকফমগী ওইবা শাগোম্বরক্কবা তোপ-তোপ্পা অশেংবা ময়েক পাফল (original script) লৈন-লৈনা (লৈখিদবনা ৱাকম অমনী) অতোপ্পা জাতিমগী ময়েক্তা ইজাতিগী সাহিত্য সংসারদা খুদুম চলহনবগুম্না অমদি ফৌমান য়ানব-গুম্না চয়েং-খোইয়েংননা লৈরিবা, মতুদা ঐখোয়না পুংনাংবা, নীংঙমদবা অমসুং তোম্বনা থল্লকপা

রাখল (inferiority complex) গী মমি অমা তাহুনা লৈরকপগুম তৌবা অসিনি। অতোপ্পা জাতি অহুনদি মশাগী ময়েকপু অতোপ্পা জাতি'মনা তাংজবগী বয়াদা চাউথোকচবা পোক্লমগবা? অমরোমদা ইকাই মুংশি য়ারবা রাফগী। ইজাতি ইশাগী ময়েক্না মিতমংলাতমলগা ইজাতিগী সাহিত্য চাওখংহনবা, মহুদা পুরকীংদা চাউথোকচবা মুংঙাইবা পোকপা হায়বা রাফদু কমানা লাল্লি হায়রুগনি? অহুবু থম্মোই থম্মোইদা ফাওনরিবা নীংঙমদবগী মমি অসি বোকপগী মতম লাক্লরোই হায়না কনানা হায়বা ঙমগনি? মহুগী হু তাপ্পা লাকখিদনি মরমদি অহোংবা, অওনবা হায়বসি মহৌশাগী ওইবা পথাপনী।

ইশামক সাহিত্যকার অমা নচ্ছদে, সাহিত্যগী লমদা ঐগী থোইদোকপা প্রতিভা অমসুং পোম্থোবসু লৈজদে অহুবু ইজাতি ইরমদগী সাহিত্যবু চাওখৎনবা হোৎনবা, মহুদা শৈবাংবা অমা ওইনা ঙমজবা থরদং শিন্দাজনীংবা অসিমদি ঐগী পামজবনি। রাখলসিনা পাঙ্গল ওইরগা পাংদনা ঐনা কবি শ্রীখুাইরাকপম ৺চাউবা সিংহ, সাহিত্যরত্ননা ইবিরম্বা ছাপ তৌহুনা ফোঙপ্রবা অমসুং ফোঙতৌখিদ্রবা মশাগী খুৎই manuscript ওইনা থনমলবা অৎবা লাইরিকশিং, চোফাওগী আর্টিকলশিং থোমজিল্লবগা লাইরিক মপূম অমা ওইনা শাগৎচরগা "কবি শ্রীখুাইরাকপম ৺চাউবা অমসুং মহাক্কী সাহিত্য" হায়না মিংথোনজবগা পোঙদোকচবনি। ফোঙদোকচবগী পান্দমদি তুংগী রেকোর্ড ওইনা থম্দা হায়বদি তুংদা লাকদবা মীরোললনা মনিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস ইবগী মচাক তানবদা খুদোংচাননবা অমসুং মতমগী সাহিত্যপ্রেমি, সাহিত্যকার, রিসার্চস্কোলার বয়ানা সাহিত্যগী লমদা থিজিন হুমজিনবগী থবক তৌবদা অমদি কবি ৺শ্রীচাউবগী সাহিত্যবু খন্ন-নৈনবদা মতেং ওইনবনি; অমবোমদা ঐনা তৌজরিবা থবক অসিদি মপাল নাইদনা পাক-চাউরবা সাহিত্যগী মনচিরদা বিন্দু অমনুং নমজবগুম্বনি অমদি রাংলবা সাহিত্যগী চীংজাউ অমা থোনবদা পীকপ্রবা নৈতম মচা অমসুং হাপচবা য়াওজবনি। অতোপ্পা অমরোমদা হায়জরগা শাংলবা সাহিত্যগী লম্বী অমা শেম্বদা লাং পাম্বী অমসুং কুকপা য়াওজবনি। পুথোকচরিবা লাইরিক (compilation) অসিদা লৈখিদ্রবা কবিগী হান্না ছাপা তৌহুনা ফোঙপ্রবা লাইরিকশিং আর্টিকলশিং অমসুং মশাগী খুৎই ওইনা থনমলবা লাইরিকশিংগী হান্না লৈরম্বা শক্তম কায়দনা থম্নবা কন্না হোৎনজে, লোন্দা-পুদা কবি মশাগী ঙাক্তনি। করিগুম্বা অশোয় অঙান, বনান লানবনচিংবা য়াওবা থেংনবিরকপদা ঙাকপীনবা পাবিরিবশিংগী মফমদা ঙক নোঞ্জরি; মথংগী খুৎনমদা অরাল-অহুইশিং চুমথোক-চরক্কনি। মসিগা লোয়ন-লোয়ননা মশাগী কল্পনা অমসুং প্রতিভাগী লমাজংদা শৈহেক-শৈথারগা ইজাতিগী সাহিত্য পুকৈদা তুংলমচৎকী মীৎয়েং শাংখৈরগা মশাগী খুদোল তমলমবা ওইনা ইহুনা অমদি ফোঙদোক্লুনা থম্বীরমলবা কবি শ্রীখুাইরাকপম ৺চাউবা সিংহ, সাহিত্য রত্নগী লাইরিকশিং অসিবু ইজাতিগী সাহিত্যবু মুংশিবীবা সাহিত্যপ্রেমি খুদিংমক্না চিল্লবা মতমগী পুংজা থরদং কাইথোকপিহুনা খন্ন-নৈনবীরবদি ঐগী হোৎনজমনগী নামৎ মাঙদ্রে হায়না লৌজগনি।

বাকম অমনা কবি মশানা ইবিখিবা শোক ১৯২৭ ইংদা হাপা তৌখ্রুনা। কোঙপ্রবা মতমদুগী সরকারগী শিক্ষা বিভাগনা Text book ওইনা খনগৎপিহুনা স্কুলশিংদা তম্নর্বা "বাখল" হায়বা লাইরিক অহুমদি কোংপ্রবা লাইরিকী কোপি অমদি মশাগী খুৎই (Manuscript) কংবা ওননবদগী প্রবন্ধ অসিদা হাপচিন্নবা ওমজয়ে ; অসি নত্তবা কবি মশানা ইরবা—'নোংপোকথংবা ভারত', 'শাইওন', 'মধুমালতি' নচিংবা লাইরিক অতৈ খরসু কবি মশাগী খুৎই-manuscript খিবা কংদবদগী পুখোকচরিবা লাইরিক অসিদা য়াওহন্দুনা ময়ামগী মাঙদা লাখোকচবা ওমজয়ে। মসিনা ঐগী খশ্মোইদা মতমচুপ্পদা নুংনাংবা পোকহল্লি।

অতোপ্পা বাকম অমনা লাইরিক অসি পুথোক্রবা হোৎনবদা সর্ব্ব শ্রীরাজ কুমার জয়ন্তকুমার সিংহ, এডভোকেট (অপোকপনা মনিপুরী সাহিত্যগী শরুাইরবা খুমাবশিংগী মনুংদা অমা ওইরম্বা লৈখিত্রবা শ্রী৺সনাহল সিংহ, বি, কম)' খুরাখোং, নিংথৌজম খেলচন্দ্র সিংহ, পদ্মশ্রী, উরিপোক, হিজম রোমোনি সিংহ, য়াইস্কুল পুলিস লেন, নাওরেম ইবোতোম্বী সিংহ, ৱাংখৈ অতোম লৈকাই, ডাঃ এলাংবম নিলমনি সিংহ, প্রোঃ এম, ইউ, শীংজমৈ লৈশাংথেম লৈকাই, ডাঃ নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ, এসো: প্রোঃ এম, ইউ, সেগা রোড, পোৎশংবম লালমনি সিংহ, কাকৈথেল, রাজ কুমার ঝলজিৎ সিংহ, য়াইস্কুল (Retd. Principal L. M. S. Law College, Manipur), মোইরাংথেম নরেন্দ্র সিংহ, খোংমন, ৱাংখেম নবকুমার সিংহ, এসোসিয়েট প্রোঃ এম, ইউ, মালোম, ডাঃ কারাম মনিমুহোন সিংহ, সিনিয়ার লেকচরর, ডি, এম, কলেজ সাইন্স, য়ুম্নাম লৈকাই, অসেম দিনমনি সিংহ, কোহুং লম্পাক, এলাংবম ইরাবোত সিংহ, চীংঙাম্থকনা য়াম্না মতেং পীবিরকখি। মথক্কী ভদ্রলোকশিং অসিগী মরক্তা খরনা কবি শ্রীখাইরাকপম ৺চাউবা সিংহগী অরিবা মেগাজিন অমসুং চেফোং (Journal) শিংদা ফোঙদোকপ্রবা লাইরিক অসি পুথোকপদা য়াম্না কন্নবা, মচাক ওইরবা আর্টিকল কয়া মখোয়গী হোম লাইব্রেরীদগী ফংহনবীরকখি, খরনা কান্নরবা গাইড লাইন অমসুং মোরেল সপোর্ট কয়া পীবিরকখি ; মহুগীদমক্তা ভদ্রলোকশিং অসিগী মফমদা মতম লৈবখিবিকী ওইনা লমন তোনশিন্নরবনি অমদি ভদ্রলোকশিং অসিবু ওমখৈ লৈতনা থাগচন্নরি। শ্রীমতি খাইরাকপম নিঙেল নুংশিতোম্বী দেবী (লৈখিত্রবা কবিনা পোকচরম্বী) অমসুং মহাক্কী মচিন মনাও, মচাময়া ইমুং মনুংনা লৈখিত্রবা কবিনা থম্মীরম্বা ফোঙখিত্রিবা অকংবা লাইরিক, আর্টিকলশিংগী খুৎই (manuscript) শিং পুকচেল চাউবগা লোয়ননা খুৎশিন্নবীরকখি মসিগীদমক্তা শ্রীমতি অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুংদসু চাউরবা লমন তোনশিন্নরবনি। মুখী প্রিন্টিং প্রেসকী থৌবুখিরবশিং অমদি কর্ম্মচারীশিংনসু য়াম্না মতেং পাংবীখি, মসিগীদমক্তসু থাগৎচরি। লৈখিত্রবা কবিদা ইকায় তিনী তুংগী সাহিত্য লমতাক লময়ান্নবা খুবম্না অমনি হায়না লৌবিহুনা, উৎসাহ, উৎপীবা ওইনা লাইরিক অসিগী শিত্র খিবগী অদকপা মাখল খীংমেং খঙবীয়োই অমসুং সমালোচনা তৌবীয়োই নীংজে।


শ্রীখোকচোম প্রেমজো সিংহ
চীংঙা মখা লেম্নি লৈকাই, ইম্ফাল।

কবি শ্রীখ্বাইরাকপম ৺চাউবা সিংহবু শক্তাকচবা ওইনা ৱাহৈ খরদং

—:০:—

লমদমসিগী শক্লাইরব স্কোলারশিংনা কবি খ্বাইরাকপম ৺চাউবা সিংহগী পুন্সি ৱারী অমসুং সাহিত্যগী লমদা মহাক্না হকথেংননা পায়খৎলম্বা অমদি পাঙথোক্লম্বা থবক কয়া মরীকচুম্না খন্‌-নৈনবীগে অমসুং অইবা ওইনা কোওদোকপিগে ; মসিমক তুংগী রেকোর্ড অমনি হায়না লৌবদা খোইনা চিংদনিঙাইদি ওইত্রে অহুম্নদি ওইরবদা লৈরম্বা রেকোর্ডশিং মথা তানা খিজিন-হুমজিন্নরকবদা শ্রী৺চাউবনা পোকখিবগী থাবানগী মুমিৎ মশীংদ', পুংফমদা অমদি মহাক্না মণিপুরগী মপান্দা লাইরিক তমখিবা মফমগা কোওরবা রেকোর্ড লাইরিকশিংগা থন্না থজিন্নং থৈনরপ তৌবা থেংনজে অমরোমদা মসিদি অপীকপা ৱাকন্নি, অচৌবা ৱাফম অমা নত্তমাক্লে হায়না লৌজে। মহাক্না মপান্দা লাইরিক তম্বা চংখিবসি জোনষ্টোন স্কুলদগী ক্লাস VIII পাশ তৌরগা চৎখিত্রা অমদি IX পাশ তৌরগা চৎখিত্রা হায়বগী ৱাফমদা শ্রীদ্বিজমনিদেব শর্ম্মনা কোওদোকপীবগী মতুংইন্না ক্লাশ IX পাশ তৌরগা চৎখিবনী হায়রি। শ্রীদ্বিজমনিদেব শর্ম্মগী ৱাফম অসি অফংবা রেকোর্ডকা চুশিন্নবা হেনবদগী লৌজরে। মতমচুদা জোনষ্টোন স্কুল অসি ক্লাস IX ফাওবা লৈরে হায়না মহাক্না কোওদোক্লি।

কবি খ্বাইরাকপম ৺চাউবগী মরমদা অখণ্ড-অহৈ কয়ানা খন্‌-নৈনবীপ্রবসু অমসুং কোওদোকপীপ্রবসু নৌহৌনা শমলপ্পা খরদং অমুক্কা হায়জরগে— শ্রীখ্বাইরাকপম চাউবা সিংহ শকাব্দা ১৮১৭, ফাইরেনগী ৮ নি পানবা শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ মিঃ ১৫ তাবদা (খৃঃ ১৮৯৬ ইংগী জনুয়ারি তাং ২৩ দা) উরিপোক শোরবোল থিংঙেলদা পোকখি। (মহাক পাঞ্জি Astrology গী থবক কুঠি রেংবা-ইবা ঠৈবনা মশামক্না শিন্দোক্লম্বা অমসুং ইথোক্লম্বা মহাকী জন্ম কোষ্ঠিদগী লৌখৎচবনি। এনগ্রেভ তৌরবা মহাকী জন্ম কোষ্ঠি হাপচরি) অপোকপগী মিংনা মুক্তা সিংহ অদুগা অপোকপীগী মিংনা থাম্বৌরেমা কৌই। মহাকী জন্ম কোষ্ঠীগী মিংদি লীলানন্দ সিংহ কৌই; মহাকী "ছাত্র মচা" লাইরিক্তা অহুম্না ইবসু থেংনবীরমলগনি। পলেম পাম্বৌ অনিনা ময়াম্বা তরুক, মচেম অমা অমসুং মহাক, মচিন মনাও নিপাল পোকখি। শ্রী৺চাউবা পোকখিবা কুম অসি লৈবাকী য়াম্না হবা-অনা তাবা মতম অমা ওইখি, লৈবাকসিদা ইকং থোক্লুন্না চাক তাওবা, অচৌবা লাঙ্গনা লাঙ্গচৎনা মীয়ামগী পুন্সিদা তৎ য়ৌনা ৱাবা অমসুং লৈতানা লৈনবা ওমহন্দবগী চৈথেং ফংনখিবা মতাং ওইবনা মহাকী ইমুং মনুংদসু হায়নিঙাই লৈতনা অৱাবা নংখি। মহাক্না য়াম্না পীক্লিঙৈদা ময়াম্বা তরুকমক, লাঙ্গনা অচৌবা মত্রগা লাইচং হায়না খঙনবা পুকচৎপা, (খোঙহাম্বা কোলেরা) লাইথোকপনচিংবগী লাঙ্গনাম্না মী য়াম্না শিনখিবা, ইমুং য়ুম্না শিনখিবা ফাওবা য়াওখিবা অদুদা, লোইনা লৈখিদে।



শুভমস্তু শকাব্দা: ১৮১৭। মাসঃ৯।দিন ১০।
গতদণ্ড ১৩।৬। দিবামান ২৬।৩১।২০ পুনঃ
শকাব্দা: এতচ্ছকীয় সৌর মাঘমাসস্য দশম
দিবসে শুক্রবাসরে শুক্লপক্ষীয় অষ্টম্যান্তিথৌ
দিবা একপ্রহর গতে অষ্ট দণ্ডাভ্যন্তরে শুক্রস্য
স্থানে যমস্য দণ্ডে দণ্ডাধিপে রাহো মেষ লগ্ন
দ্বিভাগে পুংসত্ত্ব ভরণী নক্ষত্রে মেষ রাশৌ-
স্থিতে চন্দ্রে শুক্রস্য দশায়াং শ্রীকেশর সিংহস্য
শুভ সপ্তম পুত্র: জাত:। শুক্রস্য দশা জন্ম
ভুক্ত বর্ষ ১৫।১০।২৬।৪২ প্রাপ্তবর্ষ: ৪।১।৩।১৮
যোগিনী সিদ্ধি ভুক্তবর্ষ ২।১৫।৩৬ প্রাপ্ত
বর্ষ ৬। ৯।১৪।২৪। বর্ষাধিকারী সোম
মাং কমলাসিংহ।
শ্রীকেশর সিংহস্য শুভপুত্রস্য নাম
শ্রী লীলানন্দ সিংহ।

খোঙোক অমু মী অমগী পুন্সিদা পাক খোঙ্খবা য়াম্না অৱা-অনা মুংঙাইতবগী চৈথাখোল ফংবগী মশক্কি। ময়াম্না তরুক কায়নখিবা ইকুট কুইদনা অমুকমু মহাক্না চহী মঙ্গাক্রোমকুমক ঙাম্নরিবা অপোকপা পম্মৌমু কায়নখি। অসুম্না চাউবগী য়াম্না নম্না ওইরিঙৈ নৌৱিঙৈগী পুন্সিদা ইমুং মচুং চেকন-খাইনবগী অৱাবগী লৈচিল মপেনা কুপখি।

চাউবা, অঙাং ওইরিঙৈদগী হায়ন-তান ইনবা, য়াম্না ঙৈথ:-তম্না অমমুং লাইরিক-লাইত য়াম্না তমাংবা পোকপা নম্না অমা ওইরকখি। অপোকপগী মমা থাবৈমনম্মু মচা মুপা অরেংবকী মপুংদা অমখক্তমক ঙাঙৈহৌরবনিনা চাউববু লাইরিক লাইও কনা তমহন্নীংবগী বাখলনা 'মহাকী মতম লৈবখিকী বাখল মপুং ওইখি অমমুং মচাবু লাইরিকতম্না হৌহনখি। ইহান হাননা ওইনা সংস্কৃত-নিত্যাচার অমসুং সারস্বত-ব্যাকরন তম্না হৌখি। মথংদা থাংমৈবন্দ এল: পি: স্কুলদা তমহুনা নিম্নপ্রাইমারী অমসুং ছাত্রবৃত্তি পরিক্ষা পাশ তৌখি।

মহাকপু তম্বিখিবা ওঝাশিংনা মহাকপু লাইরিক্তা মরৌশিং মবুদ্ধি লৈবা অঙাংনি হায়বা শকখঙবীখি। থাংমৈবন্দ পাঠ শালা (এল: পি:) স্কুলদগী লরার প্রাইমারি পরিক্ষা পাশ তৌরবা মতুংদা খৃ: ১৯১০ দা জোনষ্টোন মিডল স্কুলদা ক্লাস থ্রিদা তমখি। মতম অমুদা-জোনষ্টোন স্কুল অসি ক্লাস IX ফাওবদমক লৈরম্মী, মখা তমথবা তারবদি মনিপুরগী বাংমদা চৎলগা তম্মুবা তাখি। মতম অমুদা শেল-থুমগী ফিবম য়াম্না ফংনদবা ওইবনা মীরৈবাক্তা লাইরিক তম্বা চৎপা হায়বসি থরা শোথবা ইমুং মঙ্গুংগীদি অৱাবগী পোৎলুম কোকথক্তা নমবঙুম থোঙ্খি।

ইং শোক ১৯১৬-১৭ তা ক্লাস IX পরিক্ষা পাশ তৌরবা মতুংদা ১৯১৮ ইংদা কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়গী মখাদা মেট্রিকুলেসনগী পরিক্ষা থাননবগীদমক্তা, মনিপুর ষ্টেট দরবারগী অয়াবা (recommendation) য়াওবগা, চাউবা শিলং গোর্ভমেন্ট হাইস্কুলদা ক্লাস X তমখি অমসুং ১৯১৮ ইংদা ফাষ্ট ডিভিসনদা মেট্রিক পাশ তৌখি। মৈতৈমচা ছাত্র মরি মনিপুর ষ্টেট দরবারনা মেট্রিক থাননবগীদমক শিলংদা থাখিবগী মপুংদা (শ্রীঅরাম্বম ইবুংঙোহল সিংহ, সোগাইজম নদকিশ্বর সিংহ, খাইরাকপম চাউবা সিংহ, ওইনাম চাউবা সিংহ) খাইরাকপম চাউবনা সেকেণ্ড পোজিসন, অরাম্বম ইবুংঙোহলনা ফাষ্ট অমুগা ওইনাম চাউবনা থার্ড তাখি। হায়রিবা ছাত্র মরি অসিনা শিলংদা তমলিঙৈদা ফলগী থাক অমমুং নম্বরগী মতুংইন্না মনিপুর ষ্টেট দরবারনা থাদা লুপা ১৭ কী চাংদা স্কোলারসিপ পীখি।

মেট্রিক পাশ তৌরবা মতুংদা মনিপুর ষ্টেট দরবারনা, রিজোলুসন নম্বর ১০, জুলাই ১৭, ১৯১৮ ইংগী মখাদা গৌহাটি কটন কলেজদা আই, এ তমথনবগীদমক থাখি হায়না পজি অমুবু চাউবদি সাউথ সুবরবন কলেজ, কলিকতা (হোৱা অশুতোষ কলেজ হায়না কৌখিবা) দা আই, এ

তমখি হায়না ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা হায়বীরকখি। মহাক্কী "ছাত্র মতং" লাইরিক্কা য়াওরিবা "মরূপ কায়নবা" হায়বা শৈরেং অসি মহাক্না তাং ২৭-৭-১৯১৮ ইংদা কলিকতাদা ইখিবনি হায়না থারমলিবা অসিনদি শ্রী৺চাউবা সিংহ কলিকতাদা আই এ. তমখি হায়বসি ওইথোকনিংঙাই ওইরি অমসুং চুমলমগনি। ফয়ে ৱাকমসিমদি অসি ৱাইদা অসুম তেনশিঙ্গরগে। তাবদা নীংঙমদবা অমসুং সুংঙাইতবা পোকপা শ্রী৺চাউবগী য়াম্না লাইবকথীবা ৱাফম অমদি মহাক্না কলিকতাদা তমলিদৌদা মকমদুদা শাথীরবা 'ৱার ফিভর' হায়না খঙনরবা লাঈনা অমা শন্দোকরককখিবদগী মহাকসু হায়রিবা লাঈনা অসিনা মারকপাদগী মখুমদা থোক্লখি অমসুং মথা ছাম্না লাইরিক তমথবা লেপখি।

ইং শোক ১৯১৩-১৪ দা মহাক্না মেট্রিক থাক্তিঙে ছাত্র ওইরিঙৌদা শ্রীযুক্ত খাইদেম ৺নোংয়াই সিংহ মতমদুগী চৈয়াপ কোর্টকী মেম্বর, উখিপোকতা লৈবগী য়ুমদা ইছান হানবা ওইনা "মিত্র সমিতি" কৌবা 'মরূপতু' লিংখৎপদা মপামক্না মরূওইবা থৌদাং লৌহনা য়াওখি অমসুং মতমদুদা বাঙ্গলা অমদি সংস্কৃতনা মপুং ওইনা লোনগী শীজিন্নফম ওইবা, বাঙ্গলা হৈবা অমসুং ঙাওবদা মীনা শকথঙনবা অমদি লেমজনিংঙাই ওইরবদা "মিত্র সমিতি" লিংখৎপগী শরাবগী থৌরমদা অতৈনা বাঙ্গলাদা বক্তৃতা পীনখিবদা শ্রী৺চাউবনা মৈতৈলোন্দা মহাক্কী বক্তৃতা পীখি। বাঙ্গলা লোন নীংথিনা খঙবা-হৈবদদি চাউবসু মতমদুগী মীয়োলনা শীংথানরিবা অমা ওইখি অদুবু মানা মৈতৈলোন্দা বক্তৃতা পীখিবগী মরম খঙনীংনিংঙাই অমসুং হংনিংঙাই ওই, মসিগী মরম অতৈ অমগী নত্তে মহাক্না মমায়োলবু য়াম্না সুংশিজবা অমসুং মমায়োলবু থাক ৱাংখৎনা থন্নিংবগী ৱাখল চেনবদগীনি। মসিমক মহাক্না মৈতৈ লোন চাওখৎহন্নবা হোৎনবগী ঈহৌ শাগৎপা হৌবনি হায়বদা লাল্লরোই। "মিত্র সমিতি"—সামাজ সংস্কার অমদি মনিপুরী সাহিত্য চাওখৎনবগীসু থবক পায়থৎপা সংস্থান অমা ওইনা লৈখি। "মিত্র সমিতি" লিংখংখিবা মতুং ইকুই-কুইদনা" ইম্ফাল ষ্টুডেন্টস ইউনিয়ন" কৌবা সংস্থান অমসু শ্রীহুরাইবম ৺নবদ্বীপচন্দ্র সিংহ, হিজম ৺অঙাংহল সিংহ অমসুং খুাইরাকপম ৺চাউবা সিংহ মথোয় অহুম্না কার্য্য কারী ওইরগা হুরাইবম ৺নবদ্বীপচন্দ্রগী য়ুমদা (উন্নিপোক) লিংখৎখি, পান্দমদি (উদ্দেশ্য) মনিপুরী সাহিত্য চাওখৎনবগী অঙম্বা থৌরম-থৌরাং কয়া থম্ম-নৈনবা অমসুং পায়থৎনবনি। বাঙ্গলা, সংস্কৃত তম্বা, ঙাভবা, ইবগী তৌদবা য়াদবগুমলবা অকনবা ঈচেল অমনা চেনশিল্লক্লুনা মতমদুগী শিক্ষা অমসুং সাহিত্যগী লৈমায় থুমজিল্লক্লবদা অমদি মমায়োল-মৈতৈলোম্না ধর্ম্মগী থবক-থৌরমশিংদা অমসুং শিক্ষা ক্ষেত্রদা অপীকপা ঈরম মচা ওইনা লৈবগুম তৌরক্লদা শ্রী ৺চাউবনা মৈতৈলোন (ইমা-লোন) চাওখৎহন্দবা য়াদবগী তঙায়ফদবা মতাং লাকপগী তুংগী পোমিং য়াংপা ওইনা মৈতৈলোন শীজিন্নবগী ইহৌ (Linguistic nationalism) শাগৎলকখি।

শ্রী৺চাউবা নহা ওইরিঙৌদগী য়াম্না হোৎনবা কনবা, শুনীং লোম্বিংবা, মতম্ মাম্না পান্থনা শঙ্গবা মীশক অমা ওইরকখি, লোয়ননা ইমুং মনুংগী লৈঙ-লায়রা য়াম্না খঙবা অমসুং ইমুং-মনুংগী থবক ইনথাং লোংদা 'মমাগী মতেং য়াম্না পাংলকখিবা' মীশক অমসু ওইরকখি। হেক্ক শংবদা

[illegible]

[illegible]

[illegible] মতা পুপা অমা। পুপী তাত্রেং নি। মতাংগী [illegible] [illegible]

শ্রী চাওবা থওয়োইদা য়াম্না নক্না [illegible] [illegible] লাইরিক ইল্লিংবগী কলবা ইথিন পোকখি অমসুং [illegible] পুথিগী [illegible] লাইরিক [illegible] মহাক্না লাইরিক ইবা হৌখিবনি ইং শোক ১৯১৩/১৪ [illegible] [illegible] লাইরিকা য়াওরিবা "মণিপুরগী ইতিহাস" হায়বা [illegible] ১৯১৬ [illegible] ইথিবগী প্রমান কাই। মহাক্না অহানবা লাইরিক "নুমিতকাপ" [illegible] [illegible] ১৯২০ ইংদা পুথোকখি। [illegible] বীরা (খাম্বা) [illegible] মথং ওইনা মহাক্না হায়রিবা (৬-১০-১৯২৩), কাম্বা [illegible] (৯-৮-১৯২৪), [illegible] ব থক (৮-৭-১৯২৬), [illegible] (১৯৩০ ইংদা কোংবা), [illegible] থাইবগী চৈরাং (১৯৩২ ইংদা কোংবা), ইতিহাসগী, সোমল অমসুং [illegible] কম্পাজিশন (১৯৩২ ইংদা কোংবা), সাহিত্য অহানবা (১৯৩৫ ইংদা কোংবা), [illegible]) সাহিত্য লাইরিক (কোপী খিবা কংবা) লোংলোক কংবা [illegible] (কোপী, শিবা, [illegible]), [illegible] মালিকা (অপ্যান কাবা), [illegible] (নাটক), [illegible] (৩১-৭-১৯৩৩), [illegible] বীরেন্দ্র কুমারী, একাকি নাটকশিং অমসুং নমমন মজল কাব্য (কাহিনী [illegible]) [illegible]। [illegible] নত্তবা মহাক্না মতমগী চেকোং মেগাজিনশিংদা য়াকায়রোল, ললিত মঞ্জুরী পত্রিকা, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ পত্রিকা, [illegible] ইতিহাস মেগাজিন, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible]

ময়োরোল অমসুং মজাত্তিগী সাহিত্য চাওখৎনবগী হৌরম্লা লাইরিক ইবতা মওনা হকথেংনবা থবক কয়া মহাক্না তৌখিবা লৈরি। ইং শোক ১৯৩৫ শী তুমগী তারিক ২৩ মেংঙাইগীন মুহিংতা (মনিপুর গার্লস হাই স্কুলদা মীতিন/সমমেকন পাওথোক্লপা) মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ হিংখখি, পরিষদ অসি হিংহল্লবা হোৎনবদা মহাক্কীসু মরুওইবা থৌদাং লৈখি। হাকিরিবা পরিষদ অসিগী শেল-পুংগী মরী লৈনবা থবক (Treasurer) মওোম্দা লিরখি। মহাক 'জ্যোতি' অমসুং 'লিংবাইলগী' তেকোওগী সম্পাদকসু ওইখি। মনিপুর এডুকেসন বৌর্ডিং কমিটিগী রিজোল্যুসন অমগী মতুংইন্না শ্রী৺চাউবা অমসুং হুবাইবম ৺নবদ্বীপচন্দ্র সিংহ "মাখোয় অনিদা মৈতৈলোনগী স্কুল পাঠ্য ওইরিবা লাইরিক পুম্নমক্কী বমান শেমদোকুখা লিরখি।

কবি শ্রী৺চাউবা সিংহ মরৈবাক অমসুং মমারোলগী যাম্না মুংশিল্লবা হৌরম খুদিংমক্তা মরৈবাক্তা অতৈ লৈবাক্কা মীয়ামগী নীংহৈনবা মরৈবাক্তা অতৈ লৈবাকশী শোখ্রপ তৌনা উবগী মীয়েং বাখল হেক স্থাম্নশিন্নুবদা মথমোইদা যাম্না নীংঙুমদবা অমসুং খোয়চাক-লিনচাকপা পোকপা মীশক অমনি হায়বসি মহাক্না ইরম্বা লাইরিকশিংদগী খঙবা ঙম্মী। হৌখিবা পৃথিবীগী অনিশুবা লাম্লাওগী মমাঙ অমসুং হাইরপ লাপত্রিবা মতুংগী মতমদা লৈবাকসিদা লাইরিক হৈবগী মশীং ইয়াম য়ামদবা উবদা মওোন্দা য়াম্না পৈজ্ঞদবা বাকম অমা ওইখি অমসুং হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা লাইরিক লাইশু নীংথিনা তমহল্লীংবা অমদি হৈহল্লীংবগী ওাইঙমত্রবা অপাম্বগী বাখল পোকখি। মহাক্কী "ইংখোল কোইবা অমসুং লামলোম ইভিক", "মী পুম্নমক মহৈ তম্বগদবনি" "তৌগদবা থবক্তা মায় ওনশিন্নু" অসিন-চিংবা কোওবা মহাক্কী লাইরিকশিংদা য়াওরিবা বিষয়/পারাশিংদা নহারোলশিংবু লাইরিক নীংথিনা তমহল্লীংবগী শাফু পীরি। "বাসন্তী ডিবেটিং ক্লব" হায়বা মহাক্কী শৈরেং পারুরগা লৈবাকসিদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তমফম শঙ থম্বগী তঙায়যদবা লৈরকপগী বাখল মওোম্দা ওস্তানা ফাওখি। মওোমদা বিজ্ঞ্যানদা থাজবগী বাখল চেল্লি অমসুং লৈবাক অমা চাওখৎনবা হোৎনবদা মহৈ-মশিং (Education) অমসুং বিজ্ঞ্যান (Science) গী তঙায়ফদবা লৈবাসি মহক্কী লাইরিকশিংদা থিন্দুনা হেক হেক তাকই। অন্ধবিশ্বাস (superstition) না মীবু শেবান্না খলহনবা অমসুং লৈথোক চৎহনবা য়াওরিবসি জ্ঞ্যান (knowledge) অমসুং মহৈ (education) গী মঙালনা কোকহনবা তাফমী হায়বসি মহাক্কীসু অনীংবনি।

শ্রী৺চাউবা হিন্দু ধর্ম (বৈষ্ণব ধর্ম) দা পুক্নীং হকচাং লুপচবা মীশক্নী। গোৰিন্দজীগী তিলক ধারন তৌবসি মহাক্কী হৈনজ্রবা পামজবা অমসুং পুক্নিং ওইনা চৎখিবা নিয়ম অমা ওইখি। মহাক্না মৈতৈলোন্দা রাস, শয়ন, থবাক ঈশৈ লেংখ্রি অমসুং লৈজবমথৈ পুথোক্লনা মৈতৈলোন্দা রাসলীলা, থবাক ঈশৈ অমসুং হোলি কংখ্রি। মহাক বৈষ্ণব ধর্ম, চৎচুরবস্থ, ধর্ম খুদিংমক্কপু চপমান্নবা মীৎয়েং থম্বা অমসুং ধর্ম পুন্নমক্কী মরুদি (হৌরকফম) অমত্তনি হায়না লৌবা মীশক অমনি

হায়বসি মহাক্কী লাইরিকশিংদা ফোঙদোক্লম্বদগী খঙই। মহাক্কী মপুং ওইবা ৱাখল্লোন্ (concept) অসি ধর্ম্ম হায়বসি, হিন্দুগী লাইওইরবা লাইরিকশিংদা তাক্লম্বগুম্না, অচুম্বা চৎপা, অচুম্বা ঙাঙবা, ত্তৌগ্লদবা মথৌ চুম্না পুকচেলশেংনা তৌবা মীয়ুংশি অমসুং কথোকপগী ৱাখস লৈবা অসিনি।

শ্রী৺চাউববু লৈবাক মাওনা মঙুন চেন্নবা কবি অমনি হায়না শীংখাননরিবা অমসুং শক্তঙ নরিবসি সাহিত্য সংসারদা মীংচেল্লবা: লৈতনা মহাক্কী হোৎনবা করবা অমদি মশাগী লোকপগী ল্যোয়ননরকপা তোপ তোপ্না কবিত্ব প্রতিভা লৈরকপনি। মরৈবাক মজাতিগী সাহিত্যবু মোকথৎনবা হোৎনবদা মশাগী ওইজবা করা থাদোক্কমা অচৌবা থৌদাং কৈবা কবি অমনি হায়বা মীয়াম্না হেক্না খঙবিরবা ৱাফমনি। মশামক্ক বৈষ্ণব ধর্ম্মদা পুক্নীং হকচাং লুপ্ত্নখ্রা পুন্সি লেন্নরবসু মীহোৎলোকলগী লৈরক্লবা থাঙ্গনগী ইপা-ইপুশিংগী থুম্ন'ইদা চৎনরম্বা নাং, লাইনীং লাইশোল, ময়েক, পুৱারী, পুন্সিলগী লামায় হঙ্গৎনা ফাকখিদবা, খঙখিদবা অমসুং নৈনখিদবা মীশক নৎতে। মহাক্কী লাইরিক্তা মৈতৈ পুয়াগী মতাং মতেক মতেক ওইনা পল্লমলিবা অমসুং পুয়াদা ইরমলিবা ৱারোলগী ৱাহম্বোক পীরমলিরা অসিনদি মহাক অরিবা মতমদা ইপা ইপুশিংনা চৎনরম্বা মৈতৈ ময়েক নীংথিজন্না হৈ হায়দগী লারবা প্রেমানি। ইজাতি ইরমদমগী ইরোল-ঈমা-লোম্না মরাচেৎনা মপাল মরা তন্না অম্রোম মশা মরেং ফন্দোক্লুনা লৈরবতদা ইজাতিবু শক্তাক-শকঙগবনি হায়বা লোলগী ঈহৌ ৱাখল মসি অসি শ্রী৺চাউবগী থম্মোইদা ঙন্তোনা তাখি। ৱাখলসিদা য়ুম্ফম ওইরগা সাহিত্য চাওখৎনবা হোৎনবদা হন্না লৈতনা চঙাশনথি। মহাক্না হায়রম্বা "···· লোন পুন্নমক হোৎনরগা চাওখৎখিবা ঙাক্তনি, মীয়েৎলোন হাযবা অসিসু লোন অমনি, মীতৈ লোনসু হোৎনরবদি চ ওখৎলকনি····" ময়াম্না খেংনবীরবনি। মহাক্না মমারোল অমসুং মজাতিগী সাহিত্যবু সুংশিজবগা লোয়ননা মমা লৈবাক মনিপুরবু য়াম্না নীংজবা লৈবাকসিনা তুংদা ওইরকদবা ৱাখল থনবা (farsighted ওইবা) অমদি হৌরম খুদিংমক্তা অকবা চাওখৎপা ওইহন্নীংবগী ঙাইঙমগ্রবা ৱাখলনা অয়াম্বা মতমদা ওনচাক্ননা লৈখিবা মীশক অমনি। মহাক্কী খুৎইশিংদা অমদি লাইরিক্তা "···· পোক্লফমগী সুংশিববু খঙব্রবদি মহাক নীওইবগী শীংদগী হেন্দোক্লনা জীবগী শীং ফাওবা চন্দ্রবনি···· জননী জন্মভূমিচ স্বর্গাদাপি গরিয়সী····" হায়না ফোঙ-দোক্লনলিবসিমক্তগী মহাক্কী থম্মোইনুংগী অনীংবু খংবা ঙম্নরি। মহাক্না মৈতৈলোনবু মৈতৈ জাতিগী ত্রা ওইনা থনবগী অথুবা মীৎয়েং থমগদবা নত্তে অমদি মনিপুরী অমসুং মৈতৈলোন হায়রগা মৈতৈ জাতিগী ঙাক্না ওইনা উংং (খুঁ) য়ৈহনা কনশিন্দুনা থমলবা লম অমগুম্না লৌগদবা নত্তে হায়বসি মহাক্কী ৱাখল্লোনি। মনিপুরী হায়রগা লমদম অসিদা মতম কুইনগী মমাঙদগী চাম-চিম্না খুন্দা লৈতাহনা লৈমিন্নরক্লবা মীতৈ, মীতৈ বামোন (ব্রাহ্মণ), মীতৈ মুসলিম, চৌংগী অকোয়বদা তারিবা চীংমী (মখোয়গী মরক্তসু কাংলুপ, লোন তিম্নরবা) ঈচিল-ঈনাও পুম্নমক্কী ওইবা অপুনবা অমত্তা ওইবা শক্তম ওইনা লৌগদবনি হায়বসি মহাক্কী ৱাখল পান্দনি। কাংলুপ, লোন তিম্নদবনা মরম ওইহনা চীংগী ঈচিল-ঈনাওশিংগী মরক্তা মৈতৈলোন্দুনা ফাওদোক-কাংজিন

তৌনবা থঙনবা লোন (media) ওইবনা মৈতৈলোন অসিদা লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ক্লাংলুপ থুদিংমক্কীসু চাকথুং লৈ হায়বা মহাক্কী মীৎয়েং অমসুং মাথল্লোন অসিবু খেংনিঙাই য়াওব্রা ? শ্রী ৺চাউবা কবিতা (Poetry) অমসুং রচনা (Essay) ইবগী প্রতিভা তুনা লৈবা বনিনি। মহাক্কী রচনা ইবগী প্রতিভা অঙকপনি, রচনা ইবগী থাক অসি অসুক্কী মতীক য়াংব্রে। ঙসি কাওবদা মহাক্কুম্না রচনা ইবদা হৈখোইরবা অইবশিং লমদমসিদদি ইথোক খোক্লক্তি, হায়বদা হায়মনবা তারগদ্রা ? শ্রী ৺চাউবা মনিপুরী সাহিত্যগী সংস্কারদা মহাক্কী থুডম য়াম্না চাউনা থম্লি, ইজাতিগী সাহিত্যদা মহাক্না তমলম্বা থুদোন (contribution) কম্না লৈবাক্না শীংথানম্লি অমসুং 'কবি গুরু' হায়না মঙোন্দা ইকাইথুম্বা উৎলিবা অসিমক ইরৈবাকচা ঐখোয়গী তৌফম থোকপনি।

শ্রী ৺চাউবা সিংহগী মমা ইবেম্মা ৺থাবলৈমা শোক ১৯৪৬ ইংদা লৈখিদ্রে। মতুং ইকান কায়দনা শ্রীপুাইরাকপম চাউবা, মীয়ামগী লক্তা কুইনা শাংনা লৈহৌরীংলম্বনী অতুবু তাইবঙ শেম্বা মপু ঈশ্বরগী শিম্না তুংইম্না ওইথোকখিদে মশাগী চহী ৫৫ রোম শুরকপদা তারিক ৯। ১১। ১৯৫০ ইং মেরাগী থাশি (শকাব্দ ১৮৭২) শগোলশেন নুমিংকী নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ মিঃ ৪৫ তাবদা ঈশ্বরগী খুয়া তানখি। মহাক ফেব্রুয়ারি ১৯৩০ ইংদা জোনষ্টোন হাইস্কুলদা ওজা ওইনা সারকারগী কর্মচারী অমা ওইবা হৌখি অমসুং ওজা ওইনা চহী ২০, থা ৮ নুমিৎ ২৭ থবক তৌখি। শিরগা মীওইবগী মগুণ থঙই হায়নবগুম শ্রীপুাইরাকপম চাউবা সিংহ লৈখিদ্রবা মতুংদনা হেন্না মহাক্কী মগুণ থঙনরক্লি।

শ্রীখোকচোম প্রফুল্লো সিংহ
চীংঙা মখা ক্ষেত্রি লৈকাই· ইম্ফাল

তাং ৭। ১২। ১৯৭৫ ইং

য়াওফম তাকপা

হীরম **লামাই**

মীরম		লামাই

হীরম　　　　　　　　　　　　　　　　　　　　　　　　　　　　　　লমাই

—খওইঙ্জবা—

লৈখিদ্রবা কবিগী ফোঙখ্রবা অমসুং টেকষ্ট, বুক ওইনা সরকারনা লৌশিনখ্রবা 'বাথল' হায়বা লাইরিক অসি, থিবা য়াবমথৈ থিজবদা, কোপি ফংবা ঙমজদবদগী খুৎনম অসিদা পুথোকচবদা য়াওজদ্রে। লাইরিক অসিবু পাবিরিবা পুকচেল চাউরবা ইবুংঙো-ইবেম্মশিংনা করিগুম্বা হায়রিবা লাইরিক অসিগী কোপি লৈবিরবদি অমসুং থেংনবিরবদি পব্লিসরগী থুত্তা শিন্নবিয়ু হায়না আপিল তৌজরি, মতুগীদমক্তা তৌবিমল উচ্চগনি।

তাং ৭ | ১২ | ৯৫ ইং
Phone ;— 227012

শ্রীথোকচোম প্রফুল্লো সিংহ
চৌংঙামথা ক্ষেত্রি লৈকাই, ইম্ফাল।

শৈরেংগী শরুক

(ফোংগ্রবা অমসুং ফোংদ্রিবা)

খাইরাকপম ৺চাউবা সিংহ, সহিত্যরত্ন

নীংথাঙ্গীরে

(ঈশিৎপা নিপা অমগী অবাবা দশা)

মেল্লো লাও মেল্লো লাও, লোইন নীংথাঙ্গীরে।
সাহিত্যগী পনয়াইমক্ত হানন নমথাঙ্গীরে।
কনাগী লীলা কনাগী ঈশৈ লোইনা তাওথরে।
ঙমগদবন থিংহৌরো ও, পাথরে পাথবে॥
পাম্বোম অনী থাঙ্গত্তুন, প্রেমগী ধারা শিন্থহুন,
ঈবৈদ মশা ঙামঙাম তৌন, লাওজরকই ঈশিৎপন।
লাইবক চাওবা ঈশিৎপা থোইনহুম য়াংখাইরো।
চেল্লফিব ঈচেল অদু, ইপাক্তহুম ঁহিলনখ্রো।
মংমগী ঈরৈ অকনব, কনানবু থিংঙমনি?
অবিবগী মহুত্ত আনৌব, মহৌশাগী নিয়মনি।
ফিজেৎ ওল্লে শমখাক হোংলে, করি লৈরিব?
খব অহু থিংঙদন, নংগী করি কাম্নব?
(অফবন লৌগনি, ফওবনা তোক্কনি করি খারুব?)
নংন শীচ্চব ঙম্লগ, লেম্লৈ নংন ফংগনি;
ঐখোইন করি কুমহুন, অরেম্বদ চোৎলুনি?
ঈশিংলিব তাদও। নযুম তম্মহুম হোৎহলৌরো।
কুমগী ঈরাম্থ হৌবল্লে, অঙাংম্নুবীন লাওরক্লে।
নোংও চুথরো, লাংজিং মতোন থুমহৎলো।
পাশোই মুবাবী তেকখৎলো, হন্নুব হন্নুবী তাওথরো।

---

* "য়াকাইরোল" ১বা চহি ওক্তোবর ১৯৩০/১গী চেফোংদগী লৌথোকচবনি।

বাবুগী দশা

মৈতৈবাবু য়ুমদা চাপু,
করিবু খললিবা।
হয়েং থাগী পইলা তারিখ,
ঙসিনা মাহিনা বন্ধ
করম তৌনা বাবুগী দশা
মিংসিনা য়েংসিবা ?
কুমলকপগা খাতা পুত্থনা,
দোকান্দারনা হাজির।
য়ুমদা চংলে মচানা কপাল,
পাবুং সিতা মিশ্রি।
অমনা হাঙ্গীরে মাগীদি লৈরে
ঐগীসু মোজা ফুরিং।
খোংঙপ ফোংলুই ঙসি তংলে
হয়েংদি শোঙ্গদে সিকি।
খুদৈ য়ুরিংনা ঙাওশিন্নরুই
তরা পুনবা ফৈজোম।
সুবা কাংদে তানবা ঙমদে
নোংমাইজিংগী সাপোন।
অত্থুগী মথক্তা য়ুমলৈমনা
তকলি শোরি পরেং।
সনা ঙরাং খন্দোকউরে,
ঙসি পামই ঝিঙ্গুব।
থুংঙরে অসে চান্দাদেবী
চেনবা নংহৌদ্রে।
পিয়োম্না হায়রৈ অঙবতা,
অত্থুম্বদি য়াংথৈ।

বাবুনা হায়ঙ্জে ওল্লকপদা,
মানা পাম্মি ঙসি।
পিয়োম্না ওইরে যমগী ছুত,
বাবু ওইবনা পাপ।
কোঙ্গথোম্নকই কোকথেংনরুই
লুপা মরুপকী শেনথাই
জীবনিনা মপামজরি
ফৈজোম কুপ্পাকাওবা।
পারি মমোমসু পীজনীংই
কুমগী থোকপা ঙাপাই
(তন্নব) ফংলিঙৈদা ময়েংনীংই
ফংগদবা থোইনা কিরে
চংবদবা হাজার।
অনী চংখি মরি কাঙ্গখি
কুন শোইদনা হোই।
করি চিন্তা য়াংখৈ পুক,
লৈরি পইলা তারিখ।
থীবতদি থীররিনি
বাবু ওইগদবা।
- হা বাবু কোকচাউবা
করম পানগে, হাঙ্গবনো ?
কু ক্রু কু কু
চন্নী তং।

১, ফে, ১৯৩৫

---

* "ললিত মঞ্জুরি প্রত্রিকা" গী ফেব্রুয়ারি ১৯৩৫ ইংদা ফোংবদগী লৌথোকচবনি

কচ্চবা

ইমা। ঙসি অযুক্'সিদা,
চীঙ্খৈ ফিতুপ্পা হুনবতা ঙাইরিঙৈদা,
নচাগী নৌববা খুৎসিনা
কৎসিগে ইমাদা করবা খুদোল ?
(খোইদারবা)—অযুক্কী যাকাইরোল ?
অনৌবা নুমিৎকী মেংলবা মশেকমক্তা
নচাগী মিববা খোম্থাংদি
হুইথরে থামনা থামনা,
নোংপ্রে খঙহৌদনা মব ফুন্দুনা
হৌগংলম্না নুংশিবা কোলোয।
মকুপ। ঙসি সন্ধ্যা য়াচংবদা,
মকুপ্পা থরাই থোঙ্গাল যৌবিরকপা
বংসিবা নু শিনবা খুৎসিনা
মকুপ্পা করম্বা পাম্মুবা খুদোল ?
(পাম্বা)—সন্ধ্যাগী বত্তি ?
বৃন্দা কংননবা ঘি লুপ্পা বত্তি
সন্ধ্যাগী নানিবা নুংশিৎলক্তা
হাইনা হুন্না থাঙলি।

মুৎকনি শোয়দনা কনা হৌরমদনা,
থানগৎলম্বা পীক্রুবা মৈরি।
থরদং হাঙবা মতমদা,
ঐগী বসন্তগী চীক্রুবা লৈকোম্নুংদা
খুইজিল্লম্বা মাল্লিকা চারাংবু
চেকখৎহন্দুনা মিৎকী লুববা ঈরানা
(শেমজরি)—লৌখিযু নাচোম।
থমোইগী অহাঙবা চীক্রুবা কুঞ্জদা
করম্বা থুপ্পবা লৈনম ফংহুনা
লৈকংলাগী ঈরা থিবা শক্তিগুম
রাখম্না ঙাওরি মাইকৈ খঙদনা
ঙাওসন্নু—প্যামজবননি।
লৌনিযু মরূপ। অপাম্বা থন্দুনা
প্রেমগী ঈরারা, থমোইগী লৈরাংলা ?
থোক্রুবা মতমগী থোক্রুবা খুদোল,
মনম লৈতবা পরেংসি ঙক্তা হুক্কনা
লেপ্পাগে-শীংথানদ্রবা পুন্সি।

---

*"মণিপুর সাহিত্য পরিষদ পত্রিকা" ১ বা চহি "১১/১৯৩৭ ১ বা মশিংদা ফোংবদগী লৌথোকচবনি। মসিদা কবি মশামক্না তাইতল পিবিরমদে অহুমকপু "শৈরেং নাচোম" হায়বা 'মণিপুর সহিত্য সংসদনা ফোংবা লাইরিক্কুদদি "কচ্চবা" হায়না শৈরেংশিবু মিংথোক্লি।

বাসন্তী ডিবেটিং ক্লব।

স্নানযাত্রা নুমিৎকী নুমিৎ য়ুংবা কান্দা
লাইশ্রমগা লোম্নবা বাসন্তীগী কুঞ্জদা,
উচেকশিংগী ডিবেটিং ক্লব ফমখি হায়না তায়।
চোঙা তেনরা খোইনীং উরিং চীথবা লৈতে হায়।
বাসন্তীগী মরক্তা তমিৎলাগী ফৈরা থক্তা
উমাইবীনা চীংনা লেপ্লা ফমখি, নুমিৎকুগী চেয়াবদা
ডিবেটকী বিষয়দি--"মণিপুরদা কলেজ লিংহৈদে।"
খোইনীংনা অহানবদা সপোর্ট তৌবা হোৌবে।
মাদি বারিষ্টারনি ইংরাজী পাকা ওইনা হৈ
বাঙ্গালাসু থোকই; য়েৎপা য়াম্না হৈ
"কি করিব?" হায়দুনা মীনা হায়রিমথৈ য়েৎলি।
Reason পীদুনা খোঞ্জেল লাউনা লেকচার পীরি
"লিংহৈদে লিংহৈদে, মণিপুরদা কলেজ লিংহৈদে।
মেট্রিকমক্কী মফম লৈত্রি, অসিদা কলেজ পলহৈদে।"
চোঙা পণ্ডিতনা খোইনীংগী রাসি য়ানিংদে
সংস্কৃত লোন্দা অপোজ তৌবা হোৌরে।
রাজাং খুদীং অনুস্বার হাপই পণ্ডিতকী মতানি
কিং ঝং বদসি হায়না শাউনা য়েৎপা হৌখি।
প্রেসিডেন্ট উমাইবীদি থামজবমক্তা ওমদ্রে।
মরক মরক্তু Be Silent, Please হায়না লাউজে।
শেন্দাং শেগ্নাংনচিংবা চেক্লা মচা মচাশিংনা
অমক্তা ওইনা লাউবা হোৌরে কলেজ লিংসি হায়না:-
তানীংদ্রতুনা কাকনা মণ্ডক পৈথাক্তুনা সপোর্ট তৌই
কো কো কোলেজ লিংতুনা ক্যা মতলব।
চেক্লা ময়ামনা শাউরতুনা পুন্নীল নীগা লাউরে—

লিংসি, লিংসি কলেজ লিংসি, লিংসি, লিংসি কলেজ লিংসি
মখৈদা ভোট লৌনবদা কলেজ লিংবদা তারে।

চেক্লাগী কলেজ গভর্নিং বোডি অমা শেম্লে।

অসুম্না ময়াম য়েংনবসি তানীংঙক্তুনা
লাইশ্রমগী অঙাং অমনা বাসন্তী তিংখং মরক্তা
লৈতুম অচৌবা অমা গুঞ্জিল্লক্লে খোঞ্জেল য়াম্না হৌনা
অপোজার সপোর্টার পোম্বী চেক্লা ময়াম
শমজি খাইনা পাইখি হায়বা তায়।

হা মতম, উচেকমরুমু থাক অসি য়োম্লবা!
ঐখোই মীতৈদি কদৌঙৈ মীমান্নরক্কবা?

XXXX

---

* "দি জোনষ্টোন হায় স্কুল" গী অগষ্ট ১৯৩৯ দা ফোংবা মেগাজিনগী লমাই ৩১/৩২ য়াওবদগী লৌথোকচবনি।

খোংদ্রে ইমা ঐগী বিনাসে

খোংদ্রে ইমা ঐগী বীনাসে,
ঐগী অচম্বা খুৎখৎসিদদি।
খোঙ্ক্রেনে অচম্বা ভাটিয়াল
ইশানা পামজবা ঙসিদি।
পীবিযু ইমা অমেংবা মেক্লাপ
খৎচগে থম্মোইগী তারদা।
থোকসমু নামিবা মলয়া
তাজগে নাকোংসি পেম্না।

---

*"জ্যোতি" ২বা চহি ৫/১১/১৯৪৯গী চেফোংদগী লৌথোকচবনি। —চেফোংশি কবি মশানা সম্পাদক ওইরগা ফোংজবনি মহাক মশানা শৈরেং অসি মীংথোলবিরমদে অতুমকপু লাইরিক খরদ হাযবদি "অনৌবা লৈ পারেং" দনা "খোংদ্রে বিনা", পরিষদকী "মণিপুর শৈরেং লাইরিকতনা "খোংদ্রে বিনা" অমসুং "কবি তর্পন" দনা "খোংদ্রে ইমা ঐগী বিনাসে" হায়তুনা মিংথোল্লি।

হৌজিক করম তৌবা ?

লানস্থ লোইরে, ঐখোয়স্থ লোইরে,
হৌজিক করম তৌবা ?
চাদীংনা য়ৌরি, চামনিপাল",
চাগাদি তারে নোর্মেল।
হিংনি শিনি মফম খণ্ড্রে
পুন্নমক তারে ফাজিল।
লৈত্রে ঙসি; G. R. E. সাহেব
ইরাইগী বিল পীবা।
উখিদ্রে কোড়া, শীৎখিদ্রে বোড়া;
লৈত্রে কৌনিঙাই সাথী।
পাইখ্রে D. C, তিল্লবোই কুমশি
লৈকাই শংজারোই ময়াম
মোটর গাড়ী, খুন্দুনা য়েংলুই
টিগ্গা তারে শিকি।
ড্রেসতা ঙাইরে, ফমদি চংগ্রে,
ওভারসিয়র সাহেব।
স্কুলগী ওঝা চাজবা ফাজা
হৌজিক লুখম হোৎলে।
অতৈ বাবু—য়ুমদনা হাপু
হৌজিক লক্ষে য়েংলে।
অস্থম খোজনি খণ্ডবনা
হৈনশিল্লুরে লিক্লি।
কেপষ্টেন নত্তনস্থ ফাওবা ঙমদ্রে
মৈখু থকপগী রস।
য়ুমলৈমবুস্থ পামহললুরে
সনা হাইবার যানবা
খোঙকাপমতং চথে কপস্থ
হৈরে গাড়ী খাম্বা

পাম্নি ইমুঙোস্থ হৈজহৌরে
সন্ধ্যা' হোটেল ফম্বা
ইমোম লাংলেন্সু ঙমজহৌরে
সিনেমা ফিলম খনবা
পুবা ঙমদ্রে, চৎপদা তারে
ডিমাপুর যাত্রা।
লিক্লি খোয়্রে, পৈশা চাইরে
কলিকাতা কৈথেল।
পম্বৌগী কোলোয় তাদবগী
পেম্বী লোইদা থারে।
তুমু য়োরে কোক থেংনরে
অঙৌ পাম্বগী দোলাই
লৈজবমথৈ, লোইনা চৎগ্রে
শীংজমৈদা নিলাম।
শাউরননা ক্ষতিপুরন
সনা যুম্বী নপাগ্র
হৈথরনি ঙাইজরম্বা
চৎগ্রে তেরি মেরি।
প্লস এগা মাইনস এগা
তিনশিন্নগে লাকনৈ
হোৎমথৈ হোৎলে চেবাং থুংলে
মমৈদা তারে জিরো।
লানস্থ লোইরে ঐখোইস্থ লোইরে
ঐখোইস্থ তারে শূন্য।

হা মীতৈ তুংগাউবা
করম কাউথু কাউবনা
কু কু কু কু
পুমকং
কং।

ঐ নাক্তা

চংকদবা চংখিসনু
নংদা লৈবিযু নাক্তা !
চেক্লাগী মুংশিবা কোলোয়
লেপথনি য়াচংবদা ।
লেপকদবা লেপখিসনু
নংদা লৈবিযু নাক্তা
ঐগীগু কোলোয় মুংশিবা
লেপখি ননাক্তা চঙবদা ।
লেপকদবা লেপখিসনু
নংদা লৈবিযু নাক্তা !
ঐগী অচৌকপা বাঁশী
খোংজবা থম্মোই মুংদা,
শিহনি মিৎলুদা ঈরা
নংদা লৈবিযু নাক্তা !

*"জ্যোতি" ১বা বষ ২৭ লে জৈষ্ঠ ১৮৭১ গী চেকোংগী লমাই ৩১০দা য়াওবদগী লৌথোকচবনি" —কথি মশানা শৈরেং অসিবু "পাম্নজবা" হায়না মিংথোলবিরম্বী তৌইগুম্বনুং শ্রীহেমাচন্দ্র সিংহনা থোমজিনবিরগা ইবা 'শৈরেং ফুনমঙা' অমসুং প্রমোদিনীগী 'কবি-তর্পন' দদি "নংদা লৈবিযু ঐগী নাক্তা" হায়দুনা মিংথোল্লি।

কৌব্রেসে ইমানা

কৌরেসে ইমানা, মুংশিবা খোঙ্গেম্না
ইচাশা লাকও হায়না ।
ইচিন ইনাও পুম্বা চংসিবা খুংশম্না
সাহিত্য মন্দির তম্না ।

—X—X—

* "মীংনাইদবী" ১ অগষ্ট ১৯৪৭ ।

নিজরোই ইমা অতোপ্পা অমা

নিজরোই ইমা অতোপ্পা অমা
পালেম' খুয়াখাদা ।
মিহৌজদে লনম্থু কল্লকউদে মিংচৎনম্থু
পাম্মদেকো অরাংবা খুভম ।
পীনিবু মফম লেনজগে মতম
পলেমগী নুংশিবা তম্পাক্তা
ইমানা তম্বিবা নারাগী খোন্‌জেল্লা
শকচগে মপুগী কোলোয় ।

---

*"জ্যোতি" ২দা চহি ৫/১২/১৯৪৯ গী চেফোংদগী লৌথোকচবনি —কবি মশানা শৈরেং অসি মিংথোলবিরমদে অতুমকপু "শিন্দম পাওজেল অহানবা" হায়বা লাইরিক্কুদদি "নিজরোই ইমা অতোপ্পা অমা" হায়না মিংথোল্লম্বা থেংনজে ।

উহনবিয়ু অরোইবদা নংগী নুংশিবা শকফমদো

উহনবিয়ুকো (ইমা) নঙগী নুংশিবা শকফমদো
তোল্লবা নচাল্লা কৌজবা মতমদা !
অশংবা ফিজেৎনি ইমাগী, লক্তা লৈনা থাম্বা,
বৈজয়ন্তী মালাগুম হাইহুম্বা ।
নীংথিবা খুথেকনি জগোই, নুংশিবা কোলোইনি চেক্লাগী-
উজগে তাজগে চানবিয়ু ইমা !
য়েংজনীংদে অতৈ ফজবা নীংথিবা—
উহনবিয়ু 'অরোইবদা নঙগী নুংশিবা শকফমদো ।

---

*প্রমোদিনি দেবীনা শৈখোমজত্নন শক ১৮৭২ দা ফোংবা "কবি-তর্পন" হায়বা লাইরিক্কুগী চেনা ১০ শুবদগী লৌথোকচবনি ।

য়াচংবা

নুংথিলগী মঙাল মুৎথরক্লে,
নুমিৎনা তানীং তানীং তৌরক্লে।
লৈচিন্না পাইরর মচু মচু,
তময়াস্থ কোরি চেল্লে।
পোম্বী চেক্লানা পাইনরক্লে,
ময়ুম ময়ুম তান্না।
নুংশিৎনা শিংলে লিরি লিরি,
তাইবং পুক্কিং পেল্লে।
নুংথিল থবক লোইশিন্নরে;
সন্ধ্যা থাওমৈ থাল্লে।
নুংথিল চুপ্পা শান্নরুরে,
হৌজিক নথৌ পায়রো।
হয়েংগী পারা ফাক্তোক্লো,
পুক্কিং চংনা ঊরাইরো।
শোল্লো অঙাংশা! মপুগী মিংস্থ,
শোল্লো খোঙ্গেল রাংনা
চংজৌ মাগী খুয়াদা,
জয় ভগবান হায়দুনা।
নু থিল চুপ্পা লেলহনবীরে,
অশোয় অঙাম লৈতনা।
লেনগনি নুংঙাইনা অহিং চুপ্পা,
পাংগনি নথৌস্থ নিংথিনা।

---

*শ্রী অবীর সিংহগী ১৯৫২দা ফোংবা "সাহিত্য অনৌবা (অহানবা শরুক)" হায়বা লাইরিক্তগী চেনা ৫১ দা য়াওবদুদগী লৌখৎচবনি।

ব্রজ বৃন্দাবন্দদা

(মৈতৈ কবি গুরু থরাইরাকপম ৺চাওব সিংহন ইবিরম্বা কবিতা কয়াগী মরক্তগী খনগৎলকপ মচেৎ অম॥)

ব্রজ বৃন্দাবন্দদ
শ্যাম কনহাই শকাহনবা
সনাফীগে থোন্দুনা
ত্রিভঙ্গ মূর্ত্তি ওইদুনা
মুরুলীনা খুত্তা পাই
ব্রজ গোপীগা লোয়ননা
রাস লীলা শান্নবা
হরি হে নিংথিজৈ॥

---

*"মতম" ১৫ আগষ্ট ১৯৫৬ গী চেফোংদগী লৌথোকচবনি।

পি-থাদোই

চেক্লা নঙবু কনানো ?
লমদম কৈদবু খোংবনো ?
নুংশিবা নখোন্দা তাম্রিবা ?
মাঙগী উকৈদা খোংবরা ?
নোংমদোন থক্তা শকপরা ?
শুম্নথলে নুংশিবা খোঞ্জেন্না
বসন্ত ঋতু য়োরক্লে,
মালেম নৌনা মালছোনরে,
চেক্লা নহাক্লা খঙবরা ?
অপাম নুংশি কায়নরব।
লাইবক থীবা কনাগুম্বা
পৃথ্বী থুংনা কোয়দুনা,
নীংঙমদ্রবা খোঞ্জেন্না
হীক্লা নৌবা খোন্থাংনা
থাদোই কনাবু কৌরিবা ?
পি-থাদোই পি-থাদোই
থাদোই থাদোই পি-থাদোই
বনা মগুংলাংগী ভাওরিবা ?
কায়না মৈখু লাংবা মীগী
মহৌশাগী হৌনবীনি,
নুংঙাইবা কলিদা রাবা।
মলয়া নুংশিৎ নামিবনা
মালেম থুংনা হুম্নকপদা
থাইনা মৈরী হেল্লিদা
পোখ্নীচেক্লা চীল্লোক্লনা
ফৈরাথক্তা খোংলকপা
রারবা থম্মোই চাক্লবনি।

খঙলে চেক্লা খঙজরে
কৌখা নপুক্নীং পেয়া
থাদোই থাদোই পি-থাদোই
নঙগী থাদোই পাম্মুনী
নশাবী পুক্নীং খঙদ্রবী
লমদম তান্না চেনখরে।
নাইনক থীনী চেরাও !
পৃথ্বী থুংনা কোয়দুনবো
থেংনবরনে থাদোইদুনো
নুংঙাগী চেরা খাদুদা
ইচৈ হায়না কৌবদুনা
তাউজিং লমন খুম্নবনি।
য়াঙ্গোই থৌদুনা চেনথ্রবী
অমতা পোকপী থাদোই
অমুক মিৎতুনা উররোই।
খুমন ময়ুম য়োথ্রবনি
মশাবী মনাক ভমগ্রবনি
থাদোক্লো উনিংবা আশা।
বসন্ত বসন্তদা থিঙনা
ভঙাঙবা লৈরাংগা খন্দুনা
অনুপ কুইনা কৌরকপা।
কৌখো হৌজিকসু বৌখো
খোঞ্জেন রাংনা শকখো
থাদোই থাদোই হায়না।
ঐখোয়সু নঙগী নাওগুম্না
থাদোইগী মরিক'মতং নুংশিবা

ফাওবন্নবদিকো চেক্লা।

মালেম থুনা কোযত্থনা
নীঙমজবা খোঙেন্না
নুংশিনী থাদোই বনাবু
বৌবমগনি পেম্না পেন্না
শামগনি লাউনা লউনা
থাদোই থাদোই হায়না।

বসন্ত ঋতুনা লাকপদা
লৈমা ফিজেংনাবু পৃথ্বীনা
নিঙ্গ্লে চেক্লাগী কোলোযনা।
ঐখোযসু খোইবাং খোইশাউনাবু
পুনী সিনশা শোংনাবু
কৌনীংঙি (থওদনা) থাদোই হাযনা

থদোই হাযবনা কনানো?
অমনা পোকপীনা কনানো?
ঐখোযদি থওদে নুংশিবা।
খোইবেনতাক্কী লমযাইদা
পান্না কৈরেন্না পোক্লবা
আত্মা অত্থগী মঙোন্না।
অত্থমক্তদা প্রকৃতিনা
কৌহৌ কৌহৌ হাযনা

তাক্কি খাযদা লোযনা।
মঙলাক্লবা কনাগুম্বনা
ঙাংবা ঙমদবগুম ঙাংনীংবা
লাক্লবি ফোঙদোক্লবা গুন্দা।
খল্লা খল্লা বাখলনা হেল্লে
পুক্নীং বাখল পুক্নীংদা লৈবে
তথুম্না বসদি ফোঙদোক্লবে।
নওগী কোলোইনা ঙাওরবা
মবাইবক ফববা কনানা
হোৎনরি নওগী খোঙ্গুল লীবা।
থওদে চেক্লা থওজবে
প্রকৃতিনা থাক্কপনি নওসে
তরীনবা বিশ্ব-প্রেম
ফোঙদোক্তবা নুংশিবা
থম্মোইনদি তমলিবা
নুংঙাইবনা ঈবাতা
থিকনবিরে মালেম থুনা
ইংহনবিরে মীপুম তিংনা
ফংহল্লে থাদোইগী নুংশিবা।

জোনষ্টোন স্কুল তাং ২১।২।৯৪ ইং

---

*চৈরাওবা মশীং "ঙসি দৈনিক" ওশুবা চহিগী মশিং তাং ১৩।৪।১৯৪৯ দগী লৌথোকচবনি।

নীংতম্বা নুমিত্তা

ঙসি ভাবত থংনা চেল্লে নুংঙাইবগী ঈচেল
মচু অহুমগী ফীরান্না মনীংতবা নুংশিৎকুন্না।
পাইরে স্বাধীন ভারতকী অতিযাদা,
অনৌবা যুগনি ঙসি ভাবতকী
লাক্লসনু অফবা অনৌবা মাঙপ্রসনু ফত্তবা অরিবা
পুখিত্নুনা মতমগী ঈরৈনা,
তিনথ্রসনু অপাবা ঈপাক্তা।
কাঙবু কাঙবু যেংথীনবা জাতি জাতি লৌথীনবা
কাউনরসি তোখাই তোখাই তানা
নত্রা ঐখোযবু ইমা 'মত্তগী মচা?
হিন্দু মুসলমান তিন্নরসি চীং তম চান্নরসি
জগওা উৎলসি ঐখোযসি
ইমা 'মত্তগী মতীকচাবা মচানি।
চাউনীংবনা অফ-শাবা লৌনত্তনা মচু শংবা
লাউবা বনবনা খুল্লাক্লিংবা,
থাদোক্রো কান্নদবা রাখল।
অচৌবনা তুহৎনীংবা অপীকপদা লাবচথিবা,
নত্রে হৌজিক মত্তগী মতম
মখোয় তাল্লি নুংঙাইবগী শরুক।
থৌনাফবা ঈচং থৌবা অশেংবা মরৈবাক নীংবা
অচুম্বা নী মনীং তম
লাক্লরসি হৌজিক ওইনবা।

---

*শ্রী তোমচা সিংহ এম এ (দবল) অমসুং শ্রী মদনগোপাল শর্ম্মা এম এসসি অনিনা পুল্লগা ফেংবা "লাইরিক লাইশু (মরিশুবা)" হায়বত্তুগী চেনা ৪৭ তগী লৌথোকচবনি।

লাইশোল

খুবমজৈ ইবুঙো জগৎকী মপা-ও
পঙলবা ননাইনা নংবু।
খংজদে লাইশোল থোকচন্দ্রি ঈরোল
থাজনবা নংগী গুণবু।
তাজৈ নাকোংতনা শেম্বনি নহাক্না
অসুম্বা নিংথিবা তাইবং।
সুমিৎ থানচিংবা গ্রহ উপগ্রহ পুম্বা
ঙাক্রিসে নহাক্কী যাথং।
লৈবাক্না অথোৎপনি ঈশিংনা অইংবনি
নংগী অকনবনি বক্তনা।

অচৌবগী মঙাক্নি নুংশিবগী পোকফম্নি
য়াইফবগী মরুনি নংনা।
ইবুঙোগী থৌজাল্না জীব অপুম্বনা
হ্রাক্তনা পানবা ঙমলি।
অমম্বা অহিংদা অশাবা নুংথিলদা
জীবনা নুংঙাইনা লেল্লি।
নিজগে খুযাদা তোল্লবা ননাইনা
খুয়াখাদবু কাউদবা।
পীবিয়ু নুংশিবা পামজৈ ঈচং থৌবা
ঙমহনবিয়ু ইথৌদাং তোন্দবা।*

মহাত্মা গান্ধী

কনানো লাইনীং চেৎপা যোগীনব ?
নংগী নমাংদা ঈনাক খুনবা
লাযববা হরি চণ্ডাল ব্রাহ্মণ
পুন্নমক অমতা ওইবা। হে ভাবত
সাবথি ওইরম্বা। নংগী অঙকপা
মৈত্রী মন্ত্রনা, ভারতপুম্বা অমতা,
অমতা ওইনা পুনগে থৌরাংলম্বা;
থবক লোয়রমদনা নোঙ্গাগ্রবা
পাম্মুরেই নাক্তনা শিবা কিদবা থরাই;
চুম্মে নংগী ৱাশক, "থৌরাংবা নল্লগা শিবা"।
নত্রে, থৌরাংনবা চৎলম্বনি থরায়,
নংগী বা খল্লগা ঙসি ভারতসে,
ৱাগত্রা নোক্কত্রা খনফম খঙদে।
আগষ্ট ১৫ নি ঙসি ফারে থাবুম তরানিথোই,

ঐখোযদি কদায় ইনবা ঙমদ্রে,
মানা উৎলম্বা অশেংবা লম্বী,
ঙমদ্রে লৌবা অনৌবা অফবা
ঙমদ্রে থাবা অরিবা ফত্তবা
কাংবু কাংবু যেংথিনবা, জাতি জাতি কল্লরুবা,
চীং-তম মান্নদবা, হিন্দু, পাঙল তিন্নদবা,
ফমগী হুম হুম লাওরবা;
লৈবাক্কী সেবা মিংথোন্দুনা
মশাগী ওইজবা থিবা
থাবা ঙমদ্রে ঙসি ফাওবা।
নংগী নীতিবু ইনবা ঙমদ্রবদি
অবেম্বনি আগষ্ট তরামঙা
অরেম্বনি ভাবত থুংনা হরাওবা।*

———

মীগী কাম্লনবা তোবা

থক্তে তুরেলনা মশানা ঈশিং
কোকহল্লি মীগী খৌরাংবা।
চাদে উপান্না মশাগী মহৈ,
পেলহল্লি মীগী চীন্দা।
থক্তে ষণবীনা মশাগী মথে'ম,
নোয়হল্লি মীগী মশা।
শীনা মশামক চাকথেক্তুনা মৈদা,
চানবা পীরি মীওইনদা।
লৈতেংবিরি সনান্না মীরুতা
বাঁশীনা শুমহৎলি মীবু।
নোংনা থোকহল্লি মহৈ-মরো,
মশাদি চাদে অমতা।
খন্দে সাধুশিংনা মশাগী ভাক্তা,
ওৌই মীগী ফনবা।
মশাগী শরুনা দধিচী মুনিনা,
বনথি লাইয়ামগী অরাবা।*

XXXXX

---

* শ্রী খাইবাকপম ৺গৌরহরি সিংহ অমসুং শ্রী তেলেম ৺অবীর সিংহ অনীগী "সাহিত্য ময়েক" ছায়বা লাইরিক্তগী শৈরেং অহুম অসি লৌথোবচবনি।

মতম

হৌখ্রবদা অমুক হল্লকপা নাইন্রবা
ঐখোইগী মতমনি নুংশিবা খংন্রবা
মহাক ঐহাক ঐখোইপুম্বা শিখিগনি
অত্থবু খন্বা লৈতবা চৎলিবা মতম্নি।
পাঙ্গন্না মাবু ঙম্মোই লোইনবা
সনা লুপানা য়ারোই থক খাম্বা

উনা, উনা, খংনা খংনা চৎখিনি
নং-ঐগীদমক ঙাইবিবা তৌদবনি।
তৎঙবা তুরেলগী ঈচেলগা অমত্তনি,
ঙসিগী মতম হয়েংগী খাকঙমদবনি,
হৌখ্রবদা লোইরে, মতম অপুম্বগী
পুক্চেল কল্লবা মতমনি ঐখোইগী

*কবি মশানা ইজববা খুৎইদগী লৌখৎচবনি।

পাকবা মালেমসিদা
ঐবু শেম্বীববা,
কদাইদনো নগী লৈফম ?
যৌননবা চৎনিংঙই
নংগী ননাক্তুদা
লৈনিংঙি মতমচুপ্পা নংগা।
নুংশিবিযু ঐবু
পংলবা, শোল্লবা,
ঙাকশেনবীযু মিকুপ খুদিংগী।
হাযনৈ জগৎনা
নংগী নকাদনি
ঙাইবং-মী ঐখোইগী চংনফম।
নাবাগী থম্মোইনা,
মক্তবা পুক্লিংনা
খুকমজবি ঈশ্বর নোল্লুক্না।

* কবি মশানা ইজরম্বা খুৎইদগী লৌখৎচবা, লেখকনদি মমিংদি খোনবীরমত্রে'

থৌজাল

যেংউ ইমা ঐখোইদা লাক্লে
তোল্লবা চাকনীবা অমা।
মমিৎস্থ তাঙলে ময়াঙনগা কংলে
চৎলিবনা মাচুনা বানা রান্না
লৈত্রমাল্লে মাগীনি হায়বা
পিজনিংঙাই কনা
খুজং থুংনা কোয়রুবমাল্লে
অচুবু ফংদ্রে ওন্না
মুমিৎস্থ থেঙলে মুংশাগা শাবে
উরে য়েংবদা লান্না
অরাবগী রাবা কোকহল্লগা
কোকনি ঐগী লাম্বা
পীগ্রসি ইমা ঐগী শকক
মিত্তাংবা চাক্লীবা সিদ্দা
ঙসিদি ইমা চাজরগ্গোইকো
ঙসিদি চাজরোই
মনিগী মরা তাবদা মমানা
পমথৎলে মচাবু লুনা
মচাবু চুপ্পনা হায়রকই মমানা
করিগী হেল্লুনি চরা
লৈজবা পুম্বা নংগীনি ইবেম্মা
ইমানা পিগনি লোইনা
নংগী মিন্নুংশি উবগা ইমাগী
পেল্লে পুক্লিংসি ঙসি
হাপ্পরো চেংসি নিজরো কির্পা।
কংলুরো শেলসি লৈজবা
ভিক্ষা ফংলে চাকনীবা পেল্লে
মনিবু বর পীবে
মনিগী মিনুংশি তাবদা খাইনা
থাগৎখি মাবু লোইনা।।

* কবি মশানা ইজরম্বা খুংইদগী লৌখৎচবনি।

তাবীযু ইবুঙো তেংবানবা মপুও
খুকমজৈ খুযাখাদা
তাজৈ নাকোংনা শেম্বনি নহাক্স।
তাইবংপানবা পুবসি
লাইশোন হৈজদে ইরাংপা খঙজদে
পীক্লবা অঙাংনি ঐদি।
পীবিবি চানবা ঙাকপিরি লুনা
নহাক্কী জীব খিবীকপু
নিজগে খুযাদা অপংবা ঐনা
কাওজদবা নংবু
অহল্লমম্মা হায়বা হবাউ ইঙ্গবা
ইথৌদা পুক্লিং চংবা
ইবুঙোগী শিন্থা পাওচুনা চংখোন্না
লোঙ্গগে অঙাংগী পুজি।

* কবি মশানা ইজরম্বা খুংইদগী লৌখৎচবনি, লেখকশিংশি মমিং থোনবীরমদ্রে।

লৌবুক ময়াই

কুপ্রে পাক্লবা লম্মাংশি অশংবা ফৌনানা
মরক্তা চৎলম্মী ঐনা অঙাওবা কনাগুম্না
শোল্লম্মী মরক্তা মুকম মুরুম অমুকস্তু লাওরম্মী
লৌতনা ফৌ পাম্বী নত্তনা তাবিনবা কনাস্থু
চৎলি হায়বতা মঙাই লৈত্রে ঐদি তাইবংদা
থাঙ্গংত্রে ঐবু রাখলনা অতোপ্পা সংসার অমদা
লৈতে মফম অতুদা অরাংপা মুংঙাইবা চিংনবা
লেল্লি ঐহাক্কী ঙাইহাক্কী রাখলনা থল্লিবা
মালংবনা খোংহৌরকপদা হাই হুমলি ফৌনানা।

৬।২।৪৩

*কবি মশানা ইজরম্বা খুৎইদগী লৌখৎচবনি।

তকুম অকাগী লগী লৈত্তঙ্গাব মবক্তা
চেনশিল্লি যুগ যুগকী লংফৈ চৎপা
শাথৌবনি নংনা নিম্লি নংগী
নোংথাং খোঙ্জেম্না
তমথীববা লৈবাক ঈথক হৌবদা
তারি নংগী মোইবুং খোঞ্জেল
অবাবা অনাব পূম্ব কোকহল্লি
তাইবং শম্বীদা লমজিংবিনা
ভাবতকী অফবা নোংদমনা
নংনা জয় ওইরি নংনা জয় ওইরি
শুক্লা মমথ্রনা অথেংবা অহিংদা
রারবা নংলবা লৈবাক্তা
মিৎ কুপ্তনা অহিং মিশে, খাংবীবি নংনা
মঙ থীনরবা কান্দা
কোনশিরি তম্বাক্তা
মুংশিরবী হে ইমা।
মীগী 'বাবা কোকপিরিবা
ভারতকী নোংদম্বা বিধাতা
নংনা জয ওইরি নংনা জয় ওইরি
ইন্নুং শোরা তৈবদা থোক্লে
নোংপোক্তা হুমিৎনা
পোম্বী চেক্লানা খোংলে
নামিবা মুংশিৎনা পীররে
অনৌবা থরাই
নংগী মুংশিবা খোঞ্জেল তাবদা
তুম্মম্বা ভারত হৌরে
থুকমজরি খুযাখাদা।

———

* কবি মশানা ইজরম্বা খুৎইদগী লৌখৎচবনি, লেখকনদি মমিং থোনবীবমত্রে।

নিংজবা

নোংমদি নিংখি ঐনা
মকারাম্নিংদা পুক্নিংনা
নিংজবগী উরুমদা ফমদুনা
কাওরোইদবা করিগুম্বী অমত্তং।

কাওকরে নিংখিবছু কুইনা
অত্তুবু ইখং খংহৌদনা
তাইহল্লে নিংখিবছু রাখলনা
খনখি ঐহাকনা মুম্না অমুক্তং।

খনবগী ওমখৈ য়েৌবরগা
থাজবনা সাক্নি ওইরগা
বাশকখি লোইননা কিবগা
ইমাবু হোংহন্না ফিজোল। ১।১ ৪৩

*কবি মশানা ইজরম্বা খুৎইদগী লৌথৎচবনি।

১। লুংথিলগী মঙাল মুথবক্তে লুমিৎ তানিং তানিং তৌরে
লৈচিন্না পাইবে মচু মচু ংমঙ্গা বোবি চোল্লে।

২। কোলোইসিংনা করি ংৌবা
তাকপিথু পবিচয অংশংবা
করবা লমদমদগী লাবইবা
করম্বা নিংবা থুংদনা মবংনা
অচিকপা মফম থিরবইবা
মতিক চাবা কাযদোং ফংলববা। ২৮।৮।৪৩

*কবি মশানা ইজরম্বা খুৎইদগী লৌথৎচবনি, লেখকনদি মমিং থোনবীরমজে।

থাদোই

নুংশি নুংশি কায়নরকপা
পান্মু পান্মু শেৎনরকপা,
থাদোই কনাবু কৌহুনা   নুংশি কনাবু থিহুনা
মালেম থুংনা কোয়রিবা
চেকলা নং'সিবু কনানো ?
লৈবাং চীকসি চীকঙমদা
পেন্নহৌগে মত্তাঙ্গুম   নীংব' থুংগে হাঙ্গৈবগুম
(পিঃ থাদোই, পিথা--দোই)
থাদোই থাদোই কৌবিবা ?
ক্ষিগী ের়া খাহুদা
ইৈঙ ভাঙ্গৈনা কৌবহুনা
াউজীং লমন শিংলবনি   নুংশি লমন খুমলবনি
থংনা থংনা কাউরবোই !
লাঙানগী মপোক লাংঙোন্দা
নুংশি' মখাক লৈহৌবা
'লমগী চেক্রা ওইহুনা   মালেম থংনা কোয়হুনা
পান্মু শাইওনবু থিবরা ?
মাংগী লৈরাং মরক্তা
নু শি কোলোয় শক্লিবা (৩)
খোইমুরা চাউমল্লি (২)   চেকলারা পিকমল্লি (১)
চেকলা নং'সিবু কনানো ?
বসন্তনা লাকপদা
মল্লগা শীদোক্তনা

মাবু শেম্বা মপুনা   পুক্লিং হুনা মচাকনা
পৃথ্বী'পুম্বা মালহৌনরে।
অনৌবা লৈরাং শাকায়রে
অনৌবা হৈরাং তমলকলে
মলয়াগী নুংশিৎনা   হৈনম লৈনম পুহুন
তাইবং পুক্লিং ঙাওহল্লে
পোখী চেক্লা খিবিকনা
উফৈ থক্তা ে ভোংহুনা
মঙাশুবা খোম্বাংনা   নুংশিরবা খোঙ্জেন্না
মালেম পুম্বা নিলহল্লে
অপাম নুংশি কাঙ্গৈনবা
চেকলা নংগুম্বা জীবদা
বসন্তনা লাকপসে   মহৌশানা নোকপসে
খোইরাং খোইশাওনবনি
চেক্রা নংগী মতৌগুমনা
মপু—কনা কাযনবনা
তাইবং পুকনিং কয়ানা   নুংশি মৈনা চাক্তনা
কনাবু থিবা কোয়রিবা
শকউ, চেক্রা ! কৌ, লাউনা,
(পি-থাদোই, পি-থাদোই)
থাদোই থাদোই হায়হুনা
কৌবগতা নুংঙাইবনি   নীংলগতা পেনবনি
অঙকপনি নুংশিবগী লীলা।

---

*ললিত মঞ্জরী পত্রিকা ২ য় বর্ষ ১মে ১৯৩৫, ৯ম খণ্ড চেফোংগী লমাই ৯০০/৯০১ দগী লৌথোকচবনি

মথুরা বিরহগী মতাং থরা

শ্রী হাওকম-বর্ণশ্রী *

য়োম্লিং থাংবা ইন্দ্রসেন অমসুং ইন্দ্রসেননা চংলবপা

অঙাং অনী (কপ্পনা)

(১) ঈশৈ

উহমবিয়ুবা হরি নংগী নিংথিবা মূর্তি
ঐখোইগী শিরমদাই কালসিদাকো।
পোম্লিঙৈদা কেনবা তাগ্রে চীকথত্তনা
পানজরম্বা লৈখোক অমদা
অনৌবা লৈরাং

(২) মাঙগী লীলা কাউবিবরা ইবুঙো ?
অশোক বন্দা বন্দিনী ওইবী
(পতালদা চংগ্রবী) সীতা জনকনন্দিনী
থাইন লৈরিদা হুক্তিনবনা
ইবুঙো নংগী লীলানি।

(৩) শ্রীকৃষ্ণ : ইবেম্মা ! পাম্বৈ লৈতে। কর্ম্মফল ফংবা অসি পুম্নমক্কীনি।
শাপ ফংলবী নংনি। নংগী কর্ম্মফল ঐসু চাগদৌরিবনি।
চৎলো সখিশা !

(৪) সখীশিং ঈশৈ

নংনা চৎপা মফমদা চৎলে ঐখোইসু
থদৎপা ওম্মোই প্রেমগী থৌরী
থংজরে লোইনা নহাক্কী লীলা
চৎলো সখা ইনজরে নতুং
(কৃষ্ণবু কোয়হনা পুথোকখিবা)

(৫) সখীশিং ঈশৈ

করিগী মায়থোং লাংশিনবা সখি
অসিদি নত্তে খাইনবা মৈচাক
প্রেমগী অনৌবা দীচেন্দা
লুপঙসি পুক্রিং পেন্না

---

* কবি মশাগী খুইদগী লৌখৎচবনি।

রারেংগী শরুক

(ফোংগ্রবা, ফোঙখিদ্রিবা বাবী মচা অমস্তং ড্রামা)

কবি শ্রীখ্যাইরাকপম ৺চাউবা সিংহ, সাহিত্যরত্ন

ইংখোল কোইবা অমসুং ললোন ইতিক

ঐখোইগী পীরুবা লৈপাক অসিদা অমত্তা ওাইরবা হাঙ্গৈকুল ২। ৩ সুরকলে। পুকচেন তনৌ ২ রিবা অঙাং মচাসিংনা লাইরিক তম্বতদা পুকনিং চংলে। মাসি দেশগী ভাবি মঙ্গলগী খুদমনি। অঙাং ওইরিঙৈগী নৌরবা অমসুং লুরবা থোপতা পালখিবা ভাব অতুদা মাখোইনা হয়েং অহল ওইরবা ফাউবা করি অমত্তা হোংবা ওমলরোই। লাইরিক হাইবা মহৈ অসিদি মহৈ পুমনমকী তুংনফমনি। ঈরৈপাকপু জাতিবু চাওখৎনবা হোৎনবদা লাইরিকী লম্বেন হায়না শেমবতনা অথোইবনি; মাসিগী মরমদ করি অমত্তা চিংনফম লৈতে। ঐখোইনা মাসিদা হাঙ্গৈনিংবদি—অঙাংসিংনা তমলিবা মতম অসিদা মাখোইগী পুকনিংদা লাইরিক হৈরগা চাকরী তৌদুনা তলব চাগনি। বাবু ওইদুনা সুঙাইগনি হাঙ্গবাভাব অসি লৈতনবা মতম পুম্নমক্তা য়াম্না চেকশিন্না কর্, পক্ষনা হোৎনবিনবা হাঙ্গৈজরি। চাকরী তৌবনা জাত অমত্তা চাওখৎপা লৈতরি। মতুংদাসু লৈরোই। চাকরিগী আশাতা মথমবদি ঐখোইগী জাততি মতম থরগী মনুংদা মাংবা তারে। পোকলকপদগীনা সুমিৎচুপ্প দাসত্ব বুদ্ধিনা সহজাত প্রবৃত্তি ওইখ্রবদি অকুৎপদা চেনথবা ঈশিংগী মতৌগুম্না হাঙ্গৈগৎলক্লরোই।

ঐখোইগী পীকলবা লৈপাক অসিদা করমবা চাকরী তৌদুনা ঐখোইগী পরিবারবু য়োকথাকপদি লাইরদুনা ঈশামকপু চাবা থুংগদবা লৈবগে খন্দুনা য়েংবিয়ু। অহানবদা মীরৈপাক্তা এংবিয়ু কলিকাতাদা হাইকোর্টতা হিন্দুজজ ৫ নি পাঙন জজ ২ নি পুম্না জজ ৭ লৈ। মাখোই তরেৎকী তলব চহিদ লক্ষ ৩ লিশিং ৩৬ নি। মাখোইগী অসিগুমবা চাকরী অসি ফংবদা কয়াদা রাগ্রবা। অদুবু—এংবিয়ু কলিকাতা সহরদা লৈবা সাহেব ললোনবসিংদি থমবিখো; মাড়বারী, পার্শি ললোনবা য়াম্না লৈ। ললোনবা নিপা অমগী ২ আয়ন জজ ৭ কী চহিগী কয়াদগী থোকনা য়ামনা হেন্নি। জজদি ৭ তা, জজ ৭ তিনসিনববু হেন্না আয় ওইবা ললোনবদি কলিকাতাদা মসিং লাকওনদনা লৈ।

মণিপুরগী এংসি—মৈতৈ মচানা তলব চাউনা চারবদা লুপা ২৭৫ হাঙ্গৈনা থাদা পাসি, অসিগুম্না নিপা অদুমগী চহিদা ফংবা আয় লুপা ৯৯০০ লিশিং মাপল চামাপলনি। মাররারি ফৌতকপা নিপা অমগী নোংমদ ফংবা আয় খরচ কাইথোকখ্রগা অমসুং সুমিৎ অদু খুত্তা চাখিত্রদুনা শেল মাংবা থোকলবদা লুপা ৫০ তোংঙ্গ, মাদুমনা চহি অদুমা ওম্থোকনা খুদোং চাত্রবদা মশা ইয়াও য়াওদনা মমিত্ত থাংবদা ফৌমকু খোকহনবত্তদা লুপা লিশিং ১৮ চনি য়াখ্রে তাঙ্গ।

অদুগুমবা মাররারী খুদোংথিব শেনমাংবা চহিদা লুপা ২০০০০ তা আয় ওইবা কয়া লৈ। মরাইপক ফবা চাকরীবালা মৈতৈ থাদা লুপা ২৭৫ চাবা কয়ানো? এংলগা খনথরগা হেক্তা মথংঙ্গ।

অমোক এংসি···মণিপুরদা ললোনবা অচৌবা অতৈ থাত্রবদা অমসুং মীসিং অদুনা তৌরিব কার-বার অতৈসু কাইথোকলগা সুপনগী ফৌসুবগীমথৈত লৌরবদা ইম্ফালদা ফৌসুবা নিপা ১০ লৈ।

---

*হ.লিত মঞ্জরী পত্রিকা ২য় বর্ষ ১ মে ১৯৩৬ ৯ম খণ্ড চেফোংদগী লমাই ৯০১/৯০৩ দগী লৌথোকচবনি।

মাখোইন মী অমনা নোংমগী খরচা অপুম্বা কাইথোকখ্রগ লুপা ১২০০ চাম্বা চাম্বা। তৌইই—মাহ্র গড়দা নোংমদা লুপা ৭০ তা তোংলবদা চহিদা নিপা ১০গী আয় লুপা ২৫৫৫০০ নি মাসি মীখুদিংমকনা খংবনা য়্যামগনি, মনিপুর মী লক্ষ মরিগী খাজনাদগী কাবা আয়দগী নিপা তরাগী কৌস্তুবতগী আয়না কয়া ওইখ্রবা

মাখোইনা হুরিবা ফৌ অসি ঐখোইনা হুজরবদি শেন অসি ঐখোই কংহুনা লাইনা খাজনা পিবদা খিসিংলোইদবনি। ঐখোইনা য়ুমথোংখুদিংদ হুরিডৈদদি মাসিগী কান্নবসি খংলমদে মরমদি—ললোনবা হৈরমদবনা খংদে হুজিক্তি মীরৈপাক মচান তৌথ্রগদি ঐখোইদি খুবাঙ খিংহুনা খুংথাবাতারে। ঐখোইগী জাতিগী হুস্তনবগী মরুদি কাচা মালবু বিদেশীদা পীবা হাঙবা অসিনি; হাঙবা লৌসিং তাবা মী খুদিংমক্ক খংলিবনি। হুজিক্তি অসিগুমবা শেনখুন অসি মেন্নবা ঐখোইগী একতানা হোৎনবা মতম ওইরে।

নিপা অমনা শঙম অমাগী লমদা মঙ্গল হুল্লি, চাং ২৫ থোকই, ফোইদোকলগা মুরোক থাই সংবাই ৪০ লোকই। নিপা অমনা শঙম অমাগী লমদা কোইবা মঙ্গল চাং মুরোক্কা থাবা অহু থবক অহুপ হাকনা চিনবা নত্তে, মহে অহু মতিকচানা য়োল্লবদা ৯০ শিংলি হুতিখুদিংগী পুং ১০ দা চাকচাহুনা মীগী সেবা তৌরুরগা হুমিৎ তারগা কুমলকপা চপ্রাসী অমনা থাদা ৭৷৷০ কংবনা চহি ৯০ কংই। চাকর অহু কংনবা হোৎনবদা চংখিবা মতম মেনখৎনবা থাখুদিংগী শেনমচিং ওইনা কংবগানা চহি অমাস্তবদা চপ্রাসিগী শেঙ্গাওদা লুপা ২০ হুনা লেথ ওমদে ইংখোল তেক ২ তা কোইবঅহুদি পুম্নাশেল কংথা মরমনা শেঙ্গাওদা ৮০, হাপই। মহাকী মহেহুদি মুরোক সংবাইদা ১৷৷০ পিরমবা অহুনা খুত্তাচারুরগা সংবাইদা ৫, পীরবা কুমথেংনরবদি হৌদোকপা য়াই।

ধর্ম্মনীতিদা হাঙরবহু মীগী মনাই ওইহুনা চাকরী তৌরুবদি মাহুগী মহৈনা পাপ কংই। দোলায়-পাবদা কারুরবদি সিরগা চুপ্পা শানৈ হাঙনা তাই। ইংখোল কোইবদি কুশীলক্ষীগী মরমদা ধর্ম্ম শাস্ত্রনা হাইবদি—কনাগুম্বা মী অমনা মানা ইংখন কোইরগা মখুৎনা থাবা পোৎ মহেমরোং অহু এংহুনা অরাবা পোপথোকপদা চুঙাইবা অহু অমোক্কং মপুকতা হেক পোকখিবদা মানা হুয়েং সিরগা মহা যুগ অহুনু চুপ্পনা স্বর্গ দা চুঙাইনা পাল্লি হাঙ। ইংখোল কোইবা মী খুদিংমকনা খংলিবনি, মাহুদি মখুৎনা থাবা পোৎ অহুনা লেং লেং হৌরকপা মতমদ এংবদা পেনবা হাঙবসিদি ওম্মোকনা চুঙাইখ্রবা পুকনিংগী অপেনবা অমনি। ডাসি হার হায়া ঈশিং চাইবিরমবদা হুয়েং পান্দোং অহুনা চাওখৎলম্বা ফগৎলগা অহু উবদা মচা চুংসিবা নকুমংসিরিবনি। মাহুদা পোকলকপা চুংসিবা অহুগী মহৈবু শাস্ত্রনা মাহমনা হাঙ—

"ক্রীড়ারামংতু যঃকূর্য্যাৎ
উত্থান ফলসং যুতম্
সঃ গচ্ছেৎস্বর্গপুরং
বসেতত্র যুগত্রয়ং॥"

.থাইনা শ্রীরামনা ইবেমাসীতা জাইরেমাবু বন্দা হুন্দোকখ্রবদা, বনগীমসুংদা কাইনবগী মৈচাকনা চাকলবী সীতাগী অরাবা কোকননবা উরকস্তুবদ ঋষি বাল্মিকীনা তাকখি,—হে ইবেমা নংগীনশাদা লৈরিবা মুংশিকগী প্রেমগীমে অসিদি অৱেলা পোথাবা য়াররোই। নংগী খুওাইনবা উপায় শ্রীরামবু ওাহাক ২ অং কাউনকদি নখুক্তা চনু অসি পাইতুনা তপোবনগী উসিং অসি হুতিগী ঈশিং চাইবীয়ু। নংগী ঈশিং অহু থকলগা উসিং অসিনা মমা তেকখৎপা মহে মরোং ফংগৎপা, নংনা ঈসিং পিথক্তগা উসিংন হনথবা অহু উরগা মাখোইদা হাপখিবা প্রেম বাৎসল্য রস অতুনা মপুরোইবগী মৈচাক অহু কোঙনি হাঙ্গনা তাকতুনা সীতানা অরাবা লেনখি। ইংখোল কোইবা হাঙ্গবসিদি ওইরিবা মুওাইবা-সিদি চংলিজৈজোঙ্গু পুকচেল কহনবা হুওাইবা, শেললৈহনব, চাবাখুংবা পী, সিরগাসু স্বর্গ কাই। চাকয়তৌবদি নেংমা নোংমাগী আধ্যাত্মিক জীবনদা হনখিতুনা হুইগী লিচৎ তৌরকুনা জন্ম ২ খুদিংদা আতানবা মপোক ওইরুই। কনানো থরাইপানবা মরল লৈজবা মীনাবু লুপা ৬০ চাবা মীনাই ওইনিংবা? সুপনগী বর্তমানকালগী শিক্ষিত নক্তনদি থিবা থংলোই। *

— — — —

মণিপুরী সাহিত্যগী মরমদা থরদং।

হৌজিক মণিপুরী সাহিত্যগী মরমদা ইগদবা অসি ফনদা নত্তে, য়াম্না লুরি। হৌজিকমক ঐখোই মীতৈগী মরক্তা কাওবু অনী থোক্লি—মীরৈবাক্কী সাহিত্য পাম্বা অমা, ইরৈবাক্কী সাহিত্য চাউখৎনবা হোৎনবা পাম্বা অমা। অহানবগী কাওবু অসিনা হায়বি—মণিপুরী সাহিত্যগী চাওখৎপা ভায়বা রা অসিমক লাল্লি। মরমদি ওইররোইদবা রা অতুদি পন্দবনা যেং লৈজরিবা মীতৈ লখা-মরি অসিগী মরক্তা লাইরিক হৈবা মীগী মশীংদি খুৎ থেকুনা থাবা ৫ম্লি। অসিগুম্বা মতম অসিদা মীতৈ সাহিত্য নৈনরিবা মীশিং অসিদি অত্তাওবনি, পাওন থৌনাঙ্গইদবনা যোৎইদিং পোৎমা হৈদোক্লগা খুল্লি হায়বা অতুনি। মরম অতুনা মীতৈ জাৎকী ওইজবদি-মীতৈগী লোন, মীতৈ ভাব, হায়বদি লৈজরিবা মীতৈগী সাহিত্য পুন্নমক অচৌবা লোন অমগী ভাবকী ঈপাক্তা তিলহনখিতুনা চীবমাঙ নহনখিবতনা মীতৈ ঐখোইগী মঙ্গলনি। কাওবু অমনা মাতু য়াদে—থাদোকপা য়াররোইদবা, কাউথোকপা হৈররোই-দবা জাতিগী লোন অমসুং ভাবপু চাওখৎপা য়াররোইদবনি হায়তুনা চঞ্চেকপদি রাখুল থেনবগী থবক্লি। ভমতুনা হৈররোইদবা, শেমতুনা মাল্লরোইদরা হিরম অতুদা হোৎনরুতুনা করি কান্নবা লৈবগে? মীগী মতৌ ভনা হায়বা অসিমক্তবু মশাগীসু কাউবা ওমদা মীগী মওং অতুসু মানবা ওমদা থরাইগী

*মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ পত্রিকা থা অক্তমগী ফোঙবা ১বা চহি নবেম্বর ১৯৬৭, লমাই ১৮/২২ দগী লৌথোক্তখবনি।

নোক্নফম ওইদুনা তোকপা ঙাক্তনি। থম্মু—ঐখোই মীয়ামনা চহি চয়ামগী হেন্না বাঙ্গালা লোন অমসুং সাহিত্য তম্লকপা অসিদা ঐখোয় কয়ানা চাওখৎলবা বাঙ্গালী জাতিগী সাহিত্য ভাবতা কনায়কাওবা চঙশিনখিবা ওয়বপ্রো—থাগৈপেংবা ফংদি লৌবা ওমদবদগী ওয়োক ওয়োকপা য়োক্লিংলবা অমসুং নোক্লিংফম খোকপা ভাব অমসুং ফিদম লৌরকপা নত্তনা করি অমতা উবে। অসি হায় হায়দুনা ঐখোইনা চাওখৎলবা বাঙ্গালা হিন্দিনচিংবা লোন অমসুং সাহিত্য তম্বা ফত্তে হায়বদি নত্তে; লোন তম্বা অমসুং হৈবা হায়বা অসি অফবনি হায়না চুম্মি— চাওখৎলবা বাঙ্গালা অমসুং হিন্দি-নচিংবগী খ্বাদি থমবু থমখো, চুনগী অচম্বা হাওরোন অমা হৈবস্থ কান্নবা ঙাক্তনি। অহানবগী কাওবু অসিগী মরক্তা অয়াম্বনা পুরিবা ভাবতি মতা অমনি, মখোয়না কিরিবদি বাঙ্গালা হৈত্রবদি করিমগঞ্জদগী উতুঙা চেনবা ওম্নরোই, নওয়াখালিদগী কা মাঙ্গাইবা হৈন্নরোই; ব্রেল তোংলব্দাইদা ময়াংনা চৈবা খঙলরোই, অসোমদনি, খরতনা চাওখৎলবা জাতিশিং অসিগী ফিদম লৌদুনা জাতীয় সভ্যতা হেনগৎকদবনি হায়বা ভাব অসোমদা পুবা ওম্বনি। মখোই অসিমকন্থ মরাষ্টবক ফবনি হায়বা য়াদে; মরমদি অফবনি হায়না খন্দুনা অমসুং খল্লিবা অদুস্থ অচুম্বা ওইনমক হোৎনরক্লগা মহৈ য়াম্নদুনা তেংবানবদা জীব কয়া কয়ানা নীংবা কায়দুনা তোকখিবা অদুগুম্না মখোইস্থ তোক্লগত্রা হায়দুনা চিংলফম য়ামনা লৈ। ঐগী ঐ ওইবা অমসুং ওইগদবা, ফিভম অদু কায়দনবা মাঙদা পাদম অমা থমদুনা মীগী ফিদম লৌরগা ঐগী চাওখৎপনি নত্রবদি চাওখৎলিবা অদু ঐগী নত্তে, মীগীনি। মশীং য়ামদবা ঐখোইগীদি ময়ামগী মরক্তা তিনখিবনা ফৈ হায়বস্থ চুম্মি—তৌইগুম্বসুং লু, তোং, শক, মায়, লোন লৈফম, চাকচা অমসুং আচার ব্যবহার পুন্নমক খন্দুনা ঐখোইনা মীরক তিন্দবা য়াদে; নং বাঙ্গালা তম্মু, মা হিন্দি তমসু, ঐ ইংরাজি তমগে তৌইগুম্বসুং ঐখোইনা ঐখোইগী চাওখৎনবা হোৎনদবা য়াদে। মাঙদা তৌগদবা পাদম অদুনা কায়দনা থমদুনা তমগনি। অসিনচিংবা লোইবা নাইত্রবা মরম লখা পীদুনা কাওবু অমনা মীতৈলোন পত্রিকা ফোঙবা লাক্লরি, সাহিত্য পরিষদ শেম্মি, পাবিনবা লৈত্রবস্থ লাইব্রেরি লেংবা হোৎনদুনা মৈতৈ—সাহিত্য চর্চা তৌরি অমসুং উচিনা শুম্না চীকথৎলবা মীতৈগী থাইনগী লাইব্রেরি খোমজিনবা লাক্লরি। ঐখোইনা খ্বাগী খ্বা ওইনা হৌজিক মীতৈ লৈবাক্তা লৈরিনা কাওবু অনিগী খ্বা পম্লুরে; মখোইগী য়েংনরিবা ভাব অসিদা ঐখোইগী থোইদোকপা মত পীনীংদে, পীকমস্থ থোক্তে। মীতৈ সাহিত্যগী মরমদা ইনবা হোৎনবনা ঐখোইগী থবক্নি; মাসিগী মরমদা অমুক ইথদুনা পাবিরিবশিংগী পুক্নিং লাংতক্নহনবা পামদে।

লুদি লুবনি—হৌজিক মীতৈগী মঙুংদা ইবিনবা অমসুং পাবিনবা মীদি মথক্তা হায়খিবগুম্না খুং থেক্নুনা থীবা য়ারি। তাঞ্জা অসিদা মণিপুরী সাহিত্যগী মরমদা ঙাংগদবদি খ্বাহৈগী মমল খঙবা মীদদি য়াম্না লুই। ফরে, মীতৈগী লোন অমসুং সাহিত্য অসি চাওখৎনবা হোৎনসি হায়রবদি খঙনীংফম অমা থোকই—(১) হোৎনরগা ঐখোইগী লোন অমসুং সাহিত্য অসিবু চাওখৎলকপা য়াগদ্রা? (২) মাদু চাওখৎনবা মচাক করিনো? (৩) মাদুগী তুংদা ওইরক্কদবা অবস্থা অমসুং

মাহুনা ঐখোইদা 'কাম্নরগদবা ?' 'অহানবা রাহং' অসিগী শাওখুম শীবসু অরায়বা নত্তে। মরমদি ইনারোন 'অসিগী অহুক হোৎলা য়েংঙনবা কুঠি অমত্তসু' ফংদে ; ফংলম্লবদি করম করবা থ্রহনা উচ্চস্থান নত্রগা ক্ষেত্রক ওইখগে হায়রবা খংহুনা তুংগী ফল খরমথৈতদি' হায়রবা 'শুম্নমগদবনি, আহুসু নত্তে। অহুমা আইখী চঙহুনা ফাওবা নত্তনা ইমাগী তুংগী দোশা খঙনীঙাই শাম্বে উদে।' মরম অসিমক্তা খৈরাঙ, তৌহ্রৌনা ছাম্নশিংনা চাংয়েংকম্ন শঙ, মহুংদা কলম মনীং চীকথায়বমথৈ খরগা খুনওম্না খুক্তা তাই——

লোন পুন্নমক হোৎনরগা চাওখৎখিবা ঙাক্তনি,
মীতৈ লোন হায়বা অসিসু লোন অমনি,
* মীতৈ লোনসু হোৎনরবদি চাওখৎলক্তনি।

অহুগা চুম্নোই হায়নীঙাইসু লৈতে। অমরোমদা ঐখোইগী অহৌবদি ফনহুম করি। মমাংঙৈদা মীতৈশিংদি সাহিত্য চর্চ্চা মুপতৌ তৌরমদে হায়রুবসু রাহেগীসু অরানবা অমা লৈ। মমাঙদা মমাঙগী থেবরোন, অপোকপা লোম্নচিংবা লাইরিক অসি মীতৈশিংমা মাইকৈ মল্লিগী য়েক্লবদগী মরৈবাক, মতু-মচা কম্নবতা হোৎনহুনা লৈরিবা, "খুজু-খুৎলাই ঙম্বা নত্তনা অতৈবু মহে তম্বনি হায়না লৌনবমত্রবা মতম লালগী মৈথু মরক্তা ইরম্নিবনি। অহুদগী বাঙ্গালা লোনগা মরী লৈরবা মতমদা লেংব মীতৈলোনগী মহাভারত, রামায়ণ, লাংলোন, শোনামানিকনচিংবা লাইরিকনা মীরৈবাকী চাওখৎলবা লোন্দগী য়াবমথৈ ফিদম লৌহুনা ইমারোন চাওখৎনবা হোৎনরম্বগী অশেংবা খুদম উবা ফংই। অহুগা খুলং ইশৈ, রারী, থাবল চোংবী, খোংজোম পর্ব্ব ওইনা মাতৃভাষা অমসুং মীতৈগী ভাব চর্চ্চা তৌনরকপগী খুদম তশেং তশেংনা উরি। মরম অসিমক্তা ঐখোইনা অমুক খন্না হেন্না থৌনা ফনা হায়জবা পাম্মি—ঐখোইগী অহৌবদি ফনদা নত্তে, য়াম্না ফরি। ভারত্তা হৌজিক খাইদগী হেন্না চাওখৎলে হায়রিবা বাঙ্গালা লোনগী বা খন্নু-চহি ৯০০ লোমগী মমাংদা রাজমালা লেংঙৈগী বাঙ্গালা থিহুনা য়েংউ ; মতম অহুগী বাঙ্গালা অমসুং ঐখোইগী ভাগ্যচন্দ্র হাক্তকী মীতৈলোন চাংতম্নহুনা য়েংউ, উগনি, ঐখোইগী অহৌবদি য়াম্না ফরি। বাঙ্গালা লোন্না বিদ্যাসাগর যুগতা ফিবম শেমলগা রান্ধব অমসুং বঙ্গদর্শন থোক্লবদা থাক অসি য়োনবা লম্বী য়ানখ্রিবনি। ঐখোইগী হৌজিক লৈরিবা অবস্থা অসি বিদ্যাসাগর যুগমক্তি য়োরে হায়নীংত্রবসু অয়দা মঙ্গলগী যুগতগীদি হিরম খরদা রাৎলবসু হিরম অয়াম্বদা হেক্লিক্লে হায়বা য়াদে। মতমগী শীৎলিবা মুংশিৎ অসিগী মতাগা হায়রবদি ঐখোইগী লায়রিবীনি হায়রিবা ইমারোন অসিদি য়াম্না হেন্না থুনা চাওখৎফম্ন থোকই হায়বা য়াই।

হৌজিক লুরিবদি—মীতৈ সাহিত্য চাওখৎনবা মতাক করিনো ? 'কনাগুম্বনা তাকপা য়াই—চাওখৎলবা লোন অহুক অতৈগী ইতিহাস পাহুনা য়েংউ, মীখোইনা করম তৌহুনা থাক অহ য়োম্নিনো

হায়রা অদু মুম্না লৈরে ; নখোইনু মখোইগী মক্তো অমবদি নখোইগী লোননু চাওখৎপা, মাই। তৌইগুম্বনুং মাদুদু দেশকালপাত্র হায়বা অমুক লৈদ্রি। লৈরাক অসিদা হৌজিক্কুম নীংবা খুংলা লাইব্রিক লেংবা, মী কোংথোক্কনি হায়থনু, হায়বা লুদ্রি। লৈবাক অসিগী লাইব্রিক লেংবশিংদি জ্ঞানমান, লৌতবা পুদ্রিব, নত্রগা অরৈবা মী য়াওনবা দোকান্দারগুম্বনি। মখোই মখাদা মশাগী ওইজবা কথাই মাথবা থাদোকুনা লাইরিক কয়া পুথোক্কনগে হায়বা লুদ্রি। অদুগী মথক্তা ঐখোইগীদি অমুক পাবিনবা মীনু লৈত্রি হায়বা য়ারি। ইশৈ শক্লগা তাবিনবা লৈত্রবদি শক্লিবা নিপা অদুগী কন্নিনু হৈদিংফম থোক্তে ; বারী লৌরগা তাবিত্রবদি লীরিবা মী অদুগী হৈনীংবা পোকফম থোক্তে। মীতৈ লোনগীদি ইবিনবনু লৈতা, পাবিননু য়াওদা, কবুই কৈওইবগী উতোং তারি। অনীমক থোং মান্নদবা য়াদে। অদু ওইরবদি কনানা হান্না চোংথোক্কনি—ইবিনবরা—পাবিনবরা ? মন্নগা পাম্নীগা, মক্কমগা য়েনবীগা কনানা হানবগে হায়বা বাহং অদু তারে। অমনা হায়গনি—ইরগা পাগদবনি, হান্না ইবিনবা চোং-থোক্কেটু; ঐখোই পাগে। হৌজিক কালগী মরম পাম্বা মহৈমশিং হৈবশিংগী "থিওরি" মতুং ইন্নবদি মাসি চুম্মি হায়গনি। মীতৈ সমাজগী অবস্থা অমসুং দেশকালপাত্র মুন্না থওবা মীনদি মাসি য়ানীংদবা মাই—সংসার, অসিদা স্বার্থগী অচিংবা অসি কন্দবা নত্তে ; মাহুলগী নাম্থোকপা ওম্বা মীদি জাতিগী মরম্মদা ভগবানগী আশীর্বাদকী মশক্তি। অহানবদা পাবিনবা মীশিংনু চাওখৎহন্দবা য়াদে।

অমরোমদা ইরা হায়রা অসিদি ঐখোইগী ইথা পোনবা নত্তে। সাহিত্যগী চাওখৎপা হায়বা অসি মশা য়াম্মি। কাব্য—গদ্য, পদ্য, ঐতিহাসিক, সামাজিক, নাটক, উপন্যাস, অসিনচিংবা, অসিনচিংবা। মাসিগী মরক্তা থরদি থোকন্তবা থৌদোক্কী থৌইনশিন্না, য়ামনা পাবা মীনা অপাম্বগী তকশিনবনা পুথোকপা ওম্মি। তৌইগুম্বনুং কাব্যনচিংবা থরদি মশাগী লাইনা পীরকপা প্রতিভা নত্তনা থোকপা য়াদ্রবনু য়াওদ্রি। তৌইগুম্বনুং কনাদা প্রতিভা অদু লৈবগে, কনাদা লৈতবগে হায়বা কনানা খাংগনি ? নাক্ক্তা শাৎপা লৈরাংনা নম্বিনবা লৈতনা অরেম্বদা কেনবগুম, ঈয়াইদা লোৎপা মণিনা খাংবিনবা লৈতনা অরেম্বদা মাঙবগুম মতিক মগুণ য়াওনা পোক্কপা মী কয়ানু মশাগী মশক খংহন্দনা অমসুং মীনা খংবিদনা শিথিগনি হায়বনু লাম্মি হায়নীংঙাই লৈতে। মশাদা লৈরিবা গুণ অদু পাম্বনা অমসুং মশাগী কান্নবা রাথন্না মতমগী অরাৎপনা থৌদোংছনা কোংদোক্কদবনি। মরম অদুনা পাংদবনি অমসুং পাবিনবা মীশিং হেনগৎনবা হোৎনগদবনি। পাবিনবা মীশিং হেনগৎলকপগা লোয়ন লোয়ননা ইবিনবা মী অমসুং ইনীংবা পুকচেল হেনগৎলকপা য়াই হায়বনু হায়বা য়াই। মরম অদুনা মকম মফম পুদীংদা লাইব্রিক শং লিংখৎসনু, মতমগী কান্নগদবা মতুং ইন্না সাহিত্যগী চে কোংলনু কারবা এজেনা অমাওবা ওইরোই। অসিনচিংবা মরম কয়া হায়বা য়াই, তৌইগুম্বনুং পুম্নমক্কী অপুনবা মতাংদা মীগী পুক্নিংদা সাহিত্য-জ্ঞান পোকহন্দবা য়াদে। সংসারগী মথক মখা অম্মাক অপাম্বা অমসুং 'অমদা মথক্কলো' লৈবা—অমোটগী পুন্নবা, কোজিন, অমদা, অমাম্বনা লৈরবা সাহিত্যগী

ভাব অমত্তং অপাম্বা অহু "অমুক হৌগৎহন্দবা য়াদে," মতমদি পুন্নমক অয়েখনি। "জাতীয় সাহিত্য চাওখৎপনা করিগুম্বা কান্নবা লৈ" হায়না য়াবীংলবদি সাহিত্যগী ভাব অসি সংসারগী মায়ানা কুপ্পনা ময়োল চোংবা উমদনা লৈতনবা পাথে থিয়ু। ঐখোইগী নহা ওইরিবা মণিপুরি সাহিত্য পরিষদনা মাত্রুগী থবক পুবিগে হায়না য়াবিরবদি জাতিগী মঙ্গল ওইবা য়াই।

মীচৈ সাহিত্যনা তুংদা ওইরকলবা অবস্থাদি য়াম্না থারবা অমম্বা অমনা কুপ্পনা লৈরে। গুরা মমগ্রবা অবস্থা অদুগী মমুংদা ঐখোইগী আশা (নমগ্রগা কন্ননা হায়রবম্ব য়াই) গী মৈরি মচা অমতং ভাল্লিবা হায়ববু—হোৎনৌ, হোৎনরবদি চাওখৎপা য়াই হায়বা অসিনা মঙায়। করি খোইনম্ব য়ারুগনো ? — —

মণিপুরদা বাঙ্গালা মপাল করিঙৈদগী হৌজিকনা মণিপুরী সাহিত্য অসি চাওখৎলে হায়নীংগে হায়গেরা ? মমাংঙৈদা মীতৈলোন অমি থৈজ কাবা য়াম্না কিনা উৎমদে হায়গদ্রা ? মমাংঙৈগী লীলাদা "রে পাপি। ঠারি মহো আক্রুক লিনমে. যমলায়ে তেজ মেয়েলা" হায়দুনা লাউবা লোন্দা হৌজিক কালদা ঐখোইগী অপাম্বগা চানবা য়াগদ্রা ? অভ্রা, পার্ব্ব শান্নরহন্দী ঐখোইগী লুংশিল্লরবা ওঝা শ্রীযুক্ত খাইদেম নোংয়াই সিংহনা হোৎনদুনা "পার্থ পরাজয়" (অর্জুননা মায় খীবা) হায়বা মীতৈ লোনগী লীলানা অনৌবা ভাব অমা পোকহন্দখি; মাদুগী মতমনা থৌদোংদুনা পুকচেল চাউবা মীতৈ ভদ্রলোক ময়াম্না হোৎনরুগী মীতৈ অসি থৈজ কাবদা মতিক চাবা লোন অমা ওইবা য়ারে হায়না আশা তৌবা য়ারে; মাদুগী মরক্তা মীতৈ ড্রামাটিক ইউনিয়ন অসি লাংলবা খুদম অমা ওইদুনা লৈরি। হৌজিক মরৈবাক লুংশিনবা ভদ্রলোকশিংনা হোৎনদুনা মাইকৈ মরিদা মীতৈলোন লীলা শান্নবা হোরে। হৌজিক্তি মুপী অভাং খায়দনা মীতৈ পুন্নমক মমালোন্দা শান্নবা লীলা উদুনা পেন্নবা ঙমলে; হোৎনরবদা করিগী চাওখৎলোইদগে ?

অদুগা মীতৈ ইশৈগী মরমদা খন্দুনা য়েংউ—মমাংঙৈদা মীতৈ অসি ফাগিদা নভনা অরৈদা মতিক চাদে হায়না খন্নরম্বা অদু হৌজিক্তি ঐখোইগী থাজবা পুন্নমক ওনথ্রে। শ্রীযুক্ত নোংয়াই পাবুগীদা মীতৈ লোনগী হোলি, লৈখিত্রবা ৺হাওরোকচম তোম্পোক মহাশয়না হোৎনদুনা লিংখিবা খুবাক ইশৈদগী হৌদুনা মথং মথং মীতৈলোনগী ইশৈ অসি কয়া চাওখৎলবগে খন্দুনা য়েংউ। ইজরিবা ঐহাক ইশামকীদা অহানবা মীতৈলোনগী রাসলীলা শাম্নে; হোৎনজখিবা শ্রীযুক্ত শাদম গোপাল সিংহবু অহানবদা মী পুন্নমকনা ভাওবনি; মধুর রসগী ভাখুপ্পা লীলা অসিবু মীতৈলোন্দা শান্নবা করনা মহৈ য়ানবা য়াগনি হায়হুনা য়াম্না পুক্লিং হন্নবা হায়খি; অদুবু থোইনা মহৈ য়াম্বা উদে। সনাকোন্নুংদা শ্রীশ্রী১০৮ যুক্ত মণিপুরেশ্বর মহারাজনা অহানবা গৌরলীলা মীতৈ লোন্দা শামহন্দুনা মীতৈলোন্দা ভক্তিরস পুন্নমক হোংহোকপা য়াই হায়না উৎখি। অদুদগী মথং মুখং তম্বরক্তুনা হৌজিক

মীতৈলোন অসি ইশৈগী লোন, অদা ওইরে ; মাধুরগী নুংবা ইশৈ, থরদি মীতৈলোনবু ওমনে হায়রবা য়াই। অমসুং শ্রীযুক্ত কোজেংবম তোয়াইমা, শ্রীযুক্ত রাজকুমার সূর্য্যবোরেন্দ্র সিংহনচিংবা ওআশিংনা লোৎনহনা মীতৈলোনগী ইশৈ অসি শুনা মফুরিক্কদোরে। হোৎনরবদি য়াগনি, থাজে—ইশৈগী মরম অসিমু নুংঙাইদবা নত্তে।

মীতৈলোন অসিমু চাওথংপা ইয়া য়ারোইদবা লোনমক্তি থোক্রাই। কবিগী কল্পনা নত্রবসু থাজবা য়াবা মরম লৈ—মণিপুর মাতাগী মঙ্গোশাগী নীংথিজবা অসি উরবদি মশানা কবিত্বশক্তি পোকহনকনা থোকই। লোন লায়রে হায়রবসু সংস্কৃত ভাষাগুম্বা মাসিগী শেম্বা য়াবা অঙকপা পুক্কে অমা লৈরি—মীতৈগী অরিবা লোন অসি নীংথিনা শঙলবদি হায়নীংবা অয়াম্বা নীংবা থুংনা ফোংদোকপা য়াই। য়াংলকপদা হিন্দু ঐথোইগী লন সংস্কৃত লৈরি। সংস্কৃত লোনবু য়াবমথে মীতৈলোন্দা পীংশিনবা অসি ঐথোই মীতৈবু হেন্না পাকপা ভারততা তিনবা য়ানবগী অফবা পাম্বৈ অমনি। ঐথোইগী লোন লোনবা মীশিং য়ামদবা অসি য়ামদসু ঐনা শেমবা ওমদবা অতুগীদমক য়াক্কহনা কামথা লৈতে। মাইকৈ মরিগী চীংগী ইচিন-ইনাওশিংগী মরক্তা মহে তম্বা শন্দোরকপগা লোয়ননা মীতৈলোন পাম্বা মীশিং হেনগৎলকলোই হায়রবসু কনানা হায়বা ওমগনি ? সাহিত্যগী মরমমকসু ঐনা অহানবা লেংজবা য়াথল ফিদমচিংবা লাইরিককী হৌজিক কয়া চাওখৎলকপগে থনবিযু। বাঙ্গালা, ইংরাজী খঙবা মহে হৈবা অয়াম্বনা মীতৈ লোন অমসুং সাহিত্যবু য়ুংশিরক্লিবা অসিনা ঐথোইনা থাজরে—মীরৈবাক্কী কজবা য়াথল ফিদম শুক্কমক পুশিনবিরক্লুনা ঐথোইগী ইমারোল অমসুং মণিপুরী সাহিত্য অসি নোংমা শোয়দনা ভারতকী লোন অতৈগা পাকা য়ানা চাওখৎলবা য়ারে। থৌজাল হৈরবা ভাগবানগী আশীর্বাদনা মাসিদা ওইথা ওইসনু।

তাং ১৪ । ১০ । ১৯৩৭ ইং

মৈতৈগী চিঙ্গাক থাইনা অমসুং হৌজিক

ঐখোয় মৈতৈ হায়বা জাৎ অসি হৌজিক্কী মতমগী পোৎতৈরে মতুং ইন্না, অচুম চুমনগী রাখন তৌরকপ থোক্তুরবসু চিঙ্গাক ফম্ববগী মবমদা নোকফম ওইরে। ঐখোয়না অতৈবুসু চিঙ্গাকী মরমদা রাখনগী লমী ইকায় কায়দনা নোকথা ওমদে হাইরক্লবসু ময়ামগী বানা অচুম্বনি হায়না থন্বা থোক্লবদি দোষ লৈতবদি নত্তে। ঐখোয়না কনাবু য়ুথকপা, কনাবু শাচাবা, কনা অমবু অমা চাবা হায়রুনা নোক্লে। মাদু অচুম্বনি অরানবনি হাইবা ঐখোয়না থৎলবসু নত্রগা খংঙ্ফম থোক্ত্রবসু মতম মফম অমসুং অবস্থা মতুং ইন্না থাজবা, অমসুং অপাম্বদি ওন্দবা য়াত্রা ? নংনা শা চাবা অসি মরম অমগীদমক ফত্তবনি হায়না খংলি; মহাক অমনা মরম অতোপ্পা অমগীদমক মাদু অফবনি হায়না থাজরি। নংগী নাতোপ অমসুং লৈনা অপুম্বা ওঁ নত্রগা চিঙ্গাক অহুদা মাগী মনম অমসুং মহাওগী অওকপগী মশক ওইরবা রস অমা ফাওদুনা নমিংননামক উইনা শাম্বা হোৎনরি; মহাক অমনা মাদুগী মনমদা ফংবদা ফিনা নাতোপ খুম্মি। মাসিগী অক্ক ফক্ক অহাও হাওতকা অসিদি ঐখোয়না মফম অসিদদি ইনীংদে; তৌইগুম্বসুং মতম অমসুং অবস্থা মতুং ইন্না মৈতৈগী চিঙ্গাক ওল্লক্লিবা অসিনা হন্দকী পাড়া অসিগী ইগদবা মতমনি।

হৌজিক্কী মতম অসিদা চিঙ্গাকী মরমদা থল্লরবদি মৈতৈ অসি জাৎ খামথে—মৈতৈ সাহেব, মৈতৈ ময়াং; মৈতৈ হাও অসিনচিংবা। মতম অমসুং জাৎ পুন্নমক তোৎন য়াম্নক্নপগী মরমনা চিঙ্গাকী অনৌ অনৌবা ওনফম থোক্কে হায়নীংঙাই লৈত্রবসু ঐখোয়না চিঙ্গাকী মরমদা ককপা ওন্দবা অমসুং ইন্দ্রিগী মনীং মথা তৌবা মতৌ উত্নুনা রাদবদি ওমদে। মৈতৈ নহা অহল থায়দনা চুরুপ পাম্বা অসি মীরৈপাক্কী মীগী নোংফম অমা ওইরে। তৌইগুম্বসুং চুরুপ হাম্বা অসিদি ঐখোয় মৈতৈগী পোৎ নত্তে; মীরৈপাক্কী ফিদম পাম্বদগী হৌজিক অসিদা চুরুপ য়োনবনা ইরৈপাকী অথুম অহাও য়োনবীগী মহুৎ শিল্লগদোরে। তৌইগুম্বসুং মাদুবু কনানসু (চুরুপ পাম্বা মীমক্সু) অক্ষবনি, হায়নদি য়ানদে। ঐখোয়না রাবদি অহল লমন থরনা মাসি থিংবদা মায়থীরে হায়না থন্দুনা অশা পুম্নমক থাদোক্লে; থর অমনা নিংঙাই চাওবা মচাগী থেম্নবা পোৎ ওইনরে। মাসিন্না অতৈ ফক্তবা পুম্নমক্কা লোইননা লনগী মরমদা কদায়মথৈ মাংনবা ওইবগে হায়বা অত্তুদি কৈথেনগী হিসাবনা প্রমান ওইরে। ঐখোয়না মাদুগী রাক্লফম, মিহৌরুফম নত্রগা কল্লকপিহৌরুফম লৈত্রবসু ঐখোয়গী ইন্দ্রি খুত্থমচনবা ওন্দবা মতৌ অসি উত্নুনা ফমাদসু তম্মুদনা কনাদসু হায়রুদনা পুক্নিংদা শোঞ্জবমথৈদি ওম্মী। মরমদি অচৌঅশাং অওম্বা কনানা মাগী সামর্থ্য মতুং ইন্না কায়দবনি হায়বা খংনা খংনা মাসিনা মাগী অরা পোত্থানফম ওইসনু—ঐখোয়না মাদুদা করিসু ঙাংঙ্ফম লৈতে তৌইগুম্বসুং জাৎকী মরীদা থল্লরবদি

---

* জে'নষ্টোন হায় স্কুল মেগাজিন আগষ্ট ১৯৬৯ ইংগী ফোংবা লমাই ২৮/৩০ দগী লৌথোকবনি।

মাসিনা অমাংবা মরম লৈবনা ঐখোয়না পুক্নীংদা বাজবদা কনাগী থিরকম মৈথবঙ্গ। অচুম্না ঐখোয় মৈতৈনা হিদাক থকপা পাম্মি হায়বা অসি অরোইবনি—মীরৈপাক্কী মীনা মৈতৈদি মপাগা মচাগা হিদাক লায়রুনা থকই হায়রুনা নোকনৈ। তৌইগুম্বস্তুং মাহুত্থ মৈতৈগী অশেংবা ব্যবহার নত্তে। মতমগী ঈচেল মতুং ইন্না লাক্লবা নোক্কফমমক খোল্লবা মতৌনি।

মৈতৈনা ঙানচিংবদা অপুম অশা ঙাক্তা চাবা অমিন্না মৈতৈগী মশা মাংরগী অথোইবা মরমনি হায়বা অসিগী মরম ঐখোয়না খোইনা থংঙবা লৈত্রবস্থ পুক্নীংদি খাইজ। মাসিস্থ মীরৈপাক্কী মতৌ তম্বদগী থোক্লক্লবা ফত্রনা মতৌনি। ঐখোয় মৈতৈ হায়বা অসিদি মহৌশাদগী অচম্বা চিঙ্গাঙদা হৈনরবা জাংনি। লৈশেম চুংশেমঙৈদা তাইবং মী য়োক্কদবা থিনরকপদা ঙথাগা ঙমুগনি হায়না থংনথি। মথল মথা অয়াম্বা মাসিদগী হৈনখিন্না হৌজিক অসিদা মীরৈপাক্কী অপুম অশা পুন্নমক অসিনা ঐখোয়গী লংঅমস্তুং হকচাং অনীমক মাংননবগী মশক ওইররে। ত্রোংলাওবী, ইকোপ, বাইথোগী অহাওবা ঙা থোংনা থোংনা মীরৈপাক্কী উতোংঙা য়াওদনবদি মপুং ফানবগুম খোক্করে। তৌইগুম্বস্তুং মাসিদা ঐখোয়গী করি ঙাংঙফম লৈত্রবস্থ চিঙ্গাক্কী মরমদা ঐখোয়গী জাতিনা ইস্ত্রি লাকশিনবা ঙমদবা মতৌ উহুনা পুক্নীংদা বাজবমখৈ ঙম্মি। অসুম্না শাইনবা য়োংদবা কয়া খোরক্নুনা ঐখোয়গী সনা কৈথেনবু লৈতেংনরবা, কনানা শীংথাক্লগনি? ঐখোয়না বাথদি অস্তুপ চারবা থক্লবা অসিমক্তদা কনা অমতস্থ ঐখোয়গী কৈ তরেৎ চংনা ফাবা ঙবা ইপা ইপুশিং অস্তুপ নোয়বা, অস্তুপ কনবা য়াওদ্রে। চাকনা মী নোয়, কল্লি হায়বা শোল্লদ্রা? পাউজাক পীরিবা ঐস্থ অত্ত মঙায়, তারিবস্থ অত্থ মঙায়, পাউতাক অত্থ চুম্মি হায়না থঙবমখৈ মঙায়, কনাস্থ ইনবা ঙমদ্রে—অবাবনি।

মীক্তৈগী লৈকম।

মীক্তৈগী থায়নগী লৈকমদি হকচাং ফনবগী মরীদা খোইনা কায়বা লৈরমদে। মরমদি চাউরবা ইংখোল অমমম খোপদনরগা ময়াইদা লৈকম য়ুম্ন শাহুনা লৈনবনিনা ফনা ফুনবা য়ুমদা লৈহুনস্থ হকচাংদা খোইনা শোকপা তৌরমদে। তৌইগুম্বস্তুং হৌজিক্তি মতম মতুং ইন্না মীস্থ শরুক কয়া কয়া হেক্কংলক্লে। ইম্ফালগী তারিবা য়ুমদা, লৈরিবা য়ুমলৈ মতা অসি খাঙ্গেশেংনা হৌজিকী মতমগা চানদ্রে হায়বদা লানকম থোক্কে।

হেজিক লৈপাক অসিদা থায়না তারমদবা দখল মথা অয়াম্বা অনাবগী মমিং মতম নাইদনা তারক্লিবা অসিগী মরম করিনো? ইম্ফালগী অথুবা লৈরক অয়াম্বদা নোংজু থাদা চঙজুরবদি থৈতরণী য়োগদৌবমাল্লে হায়না নীংবা য়াই। মমাং লৈকাইগী পায়খানাগী মনম, খোংবান অপুনগী মনমনা পুক মথক মথা ওন্দবা য়াদে। হৌজিক ঐখোয়না হিংহুনা লৈরিবদি থ.ঙৈশোংবা হুংশিংকী খোজাগনি—নত্রবদি মীতৈ লক্ষা ৪ হায়বস্থ শুরোইদবনি। হৌজিক্তি থায়নগী মতৌ তম্বা য়ারক্লোইদ্দৌরে। ইম্ফালগী চঙবা তারে—

ইম্ফাল মিউনিসিপ্যালিটি

নবঙ্গ লতা

অশীঙবা মতাং ।

অহানবা শকুন ।

কৈনা তোকপা পোকপরা ?

নবচন্দ্র ।

ঐখোয়না নোংদম থীরবা বিধিগী অংঙকপা খুজিং অমদগী কুঞ্জলতা সনাবু লমদম তাম্না লৈগ্রবা কাছাড়গী রামণগরদা মতোমদা খাইনবগী অরাবা মৈরক্তা হুজিল্লমহুনা থণম্না অহুদা ইজরিবা অমসুং পাবিরিবা মীগী থমোইদা কয়াদা শীংবা কায়বা অমসুং অরাবা পোকহনগ্রবা। থোক্রবা থৌদোকী অওঙবা মরী অমসুং তুংগী লাইনা শিনবা থৌরমগী মতা চানবা লতাসনানা মীরৈবাক্তা অপাম-মুংশি কায়নগী অরাবা মৈমুংদা ওন্দুনা লৈহৌবা অসি থোক্কবা য়াদবনি। তাইবং পানবদা অবা মুংঙাইবা হায়বা অসি থুবাক থুনমতনি। ঈশ্বরগী থৌজাল হায়বা অসি হীরম থৌথোক থুদীংমক্তা লৈ। থৌজাল অাতুনা মীগী হুন্তগ্রবা পুক্নীংবু থৌগংপিহুনা মহাকপু মরাইবকনা অহুদা পেম্নহনবা ওমহল্লি। লৈরাং লবঙ্গপাশ্বীদা য়েংলম্না শীঙেণ লতা মুংঙ্গারৈ অতু লবঙ্গপাশ্বীনা তুগ্রবদা পক্লা পুমহুনা মাঙগ্রগত্রা হায়তুনা ঐখোইনা য়াম্না রারম্মী ; তৌইগুমসুং তেংবানববু ঙাকপিরিবা অমসুং য়োকপিরিবা ঈশ্বর ইবুঙো মহাক্কী থৌজাম্না হৌজিক ঐখোইগী লতাসনাবু শেমগত্লা অমুক নৌম্না য়েন্নীং হুম্নবা থৌরাং তৌবিল্লি। অমসুং ঐখোইনা রানা থাজগ্রবা লবঙ্গপাশ্বী অহু নৌরিঙৈদা তমথীরবা তীম্না মউ চীকথত্লা তুগ্রবদা লৈরাংনা মপাল শাৎপা ঊররোইগত্রা হায়তুনা রারম্বনি, তৌইগুদ্রসুং নোংদম্না বিধাতাগী থৌজাম্না অনৌবা য়েন্নীং হুল্লে। মীনা মচানবা কায়নবগী অরাবা মৈচাক অতুবু মতম চুম্না থাঙতুনা লৈবা তারবদা হিংতুনা লৈবা ঙমগনি হায়না থাজবা রাংলি, অতুবু ঈশ্বরগী অঙকপা মায়া অমনা অরাবা অহু মাংয়ং তাহন্দুনা মাগী তম্নকপা মরাইবক অহুদা পেম্নহন্নবা থৌরাং তৌবি। লাইনা শেম্বা লৈপু ওইরবা লবঙ্গ অমসুং লতা অনীনা কায়নরবদা পাঙ্গল শোল্লবী লতাসনানা কয়া কুইনা মালেম থক অসিদা হিংতুনা লৈরগবা হায়না ঐখোইনা চিংনবম্মি ; তৌইগুম্বসুং কায়গদসা পুন্নমক কোক্রবা মপুনা হৌজিক অনৌবা থৌরাং অমা তৌরে।

তেংবানবদা মচা মুংশিবা হায়বা অসি ওস্তোকপনি। মীনা হায়নবদা সনানা শামু মকোকমরুম চাউনা লৈবদি নোকপা ওমদে ; মচা অমতনা মমা মপা ওইবা অহুবু নোকহল্লি হায়বা অহু কদায়মথৈ অচুম্বনো হায়বা হন্দক লতাসনাগী থৌদোক অসিদগী ঐখোইনা হেম্না মুম্না থওবা ঙম্লে।

চান্দোনাইপোন হায় স্কুল মেগাজিন আগষ্ট ১৯৩৯ ইংগী ফোংবা লমাই ২১/২২ দগী লৌথোকচনি।

মাসি স্বর্গদগী চেহ্নরকশা অমৃতগী ঈচেৎ অমগী মশক্কি ; তাইবং পানবদা শেৎণ খাইনবগী অরাবগী লমজাউখোন্না চাক্লবা মৈরি মুৎনবা অমৃতগী মন্দাকিনীগী মশক্কি। ওসি লবঙ্গ কায়নবগী অন্নাবা মৈক্লিনা চাকখেক্লুনা লৈরিবী লতাসনাগী থমোইগী অমক্তা ঈমচাকপু নবচন্দ্রগী অনৌবা লুংশিবগী ঈচেন্না নেমহল্লে। পানখৎলকপগী অনৌবা খাঙুম্বা মক্তচন্দ্র লোইনা- "নোংমাগী চাউখৎলক্লে। অঙাংদি নিংথাদা খংঙি হায়বা অহু তৌরে—খুনা মহৈ মশিং তম্বা হৌরে। খুনগী অঙাংশিংগা শান্নে—মানা মকোক খংঙি ; ওঝাগী মফমদা লাইরিক লাইশু তম্মি—মানা হেন্দোকই ; ক্ষেত্রি মচা ওইবগী থাং তা তম্মি—মানা মমান্নবা পুন্নমকপু ওম্মি ; লমচৎ ব্যবহার য়েংঙি — মানা খুনগী মী পুন্নমকী পুক্লিং শুমহৎলি। মাসিদা মমা ওইবা অমনা কয়া হন্নাওকম খোকপগে হায়বা অহু পাঁবিরিবশিংনা খন্দুনা য়েংবিয়ু। লবঙ্গ কায়নবদগী লতাসনা অঙাওবীগুম তৌকম খংদনা লৈরম্মি। সীতাকুণ্ড দর্শণ তৌঔদগী জানকীগী অশেংবা লমচৎ—মমাংদা নবীন্না লীখিবা পুন্নমক নিংশিংহুনা চিত্তশান্তি ওইরে। হৌজিক মচা নবীনচন্দ্রগী নিত্তিগী অনৌবা লীলা য়েংহুনা থমোই অন্নাবা কোঙ্গায় অমা ময়েং তারে। হে মচাগী প্রেম ! অংকপনি !

নবচন্দ্র অয়ুক লুংখিল চুন্না মহৈ মশীং তম্বা অমম্তুং মমান্নবশিংগা লোয়ননা শান্নহুনা লেল্লি তৌইগুমম্তুং সন্ধ্যা হেক য়াচংবগা মমাগী মনাক্তা- কমম্তুনা মণিপুরগী অকল অথোইশিংগী ন্নারী তায মমা ইবেম্মা লতাসনানা মচাগী পুক্লিংদা অথোবগী মন্ন লুননবগীদমক মপাবুংগী খৌনা ফবগী ন্না অমস্তুং মবুন্নৌ ইবুঙোশিংগী অকনবগী ন্নারী পুন্নমক নিতি লীবি। অম্তুন্না নহা ওইরিঔদগী নবচন্দ্রগী পুক্লিংদা অকল অথৌগী থন্নক্তা পুক্লিং চঙখি। অকনবা মচা মশুনা অনাবগী অমাংবা ফমুংদা হ্রিপুংনা শিবা হৌনদে—নোংমা পোকপা মচানা নিনি শিবা হৌনন্না হায়বা মমানা তম্বিবা ন্না অসি নবচন্দ্রগী লৌরবা পুক্লিংদা চেৎনা নপক্লে। লাইরিক লাইশু তম্বা হেক লোইবগা নবচন্দ্রনা খুক্তুখুলাই তম্বা হৌরে। থীন্দনা থাঙ, তাদা ন্নাম নগরদা নবচন্দ্রগা পাবা য়াবা কনা অমতা লৈরক্তে। নবচন্দ্রগী মমিং কাছাড়গী মফম খুদীংমক্তা শীনবা থুংখ্রে কৈনা তোকপা পোকপ্রা ? শিবা কিন্নবা লবঙ্গনা পোকপনি, মমা ইবেম্মা লতাসনানা পোকপনি, খাগি ওম্না মনাউ ইবুঙো থন্নাইন্নাকপগী মশুনি। মাখাগী শিংলি খুদীংদা লানগী ঈ চেল্লিবনি ; তম্বীবা নাইদনা, তাকপিবা খন্দনা মশানা লানগী কিবম তাহুনা পোকপনি। মীতৈ ন্নাইদা হৌজিক ফাওবা হায়নরিবা ধারা মরী তম্তে, নব পালা কায়দে হায়নরিবা অহুনি— কৈনবু তোকপা পোকপরা ?

———

মৈতৈ সাহিত্যদা বৈষ্ণব ধৰ্ম্ম

বৈষ্ণব ধৰ্ম্মনা "মীতৈগী থমোইদা" থবক তৌবা অসি ঐখোই অয়াম্বগী মিত্তা কুরাংবান্দা ওইনা উই, তৌইগুম্বসুং রসসাহিত্যনা থল্লবা ধৰ্ম্ম অমনা চহি চহুমলোম চুপ্পা জাং অমগী মী খুদিংগী থমোইগী কুরাংবান্দা ওইরবসু নপতুনা লৈরবদা মান্না থবক অমত্তা মঙ্গুং ফাওনা তৌরোই হায়নীঙাই লৈতে ; মরমদি চংবা য়াদবা থরগী থমোইদা চংবা ঙমত্রবসু চংগ্রবা থরনা খুৎলাই ওইদুনা মাসিনা মীতৈগী থমোই অপুম্বা খুদুম চনগ্রবনি। বৈষ্ণব ধৰ্ম্মনা অহানবা মীতৈগী জাৎকী থোঙ, হেক হাংদোকতুনা থোঙ-দারক-পদা লৈরম্মিবা পুম্নমক্কা মখোইগী অপাম্বা শরুক নত্তনা অতৈবুদি চংহল্লোইদবগী কন্না লাকনে। মখোইগী মরক্তা মীতৈ লোনসু অমনি—বৈষ্ণব ধৰ্ম্মনা বাঙালা অমসুং সংস্কৃত লোন্না শাদোং ওইরকপা উবদা মীরক কয়া তিন্দনা উরবা মীতৈলোন্না অতৈমক ঙমত্রবসু থপনজবমখৈদি ঙম্মি। মরম অদুনা মহাকসু মহাকী অস্তিত্ব (existence) অদু মুত্তনা থম্নবা ঙাকখিদবদি মত্তে। অদুম্নু খুং অমখনদা লোইদুনা লাক্লবা লোনশিংবা লৈরম্মিবা লোনবু লায়নমক তৌত্রবসু মখোইগী মতিক মঙাল্লা মহাকী মখি থরা শাম্বা যাই। মরম অদুনা অতোনবগী রাখন থনবদা মহাক্কা কয়া কান্না থাঙবগে হায়রবসু উরবা ঐখোইগী হৌজিকী থমোইদকসু মুংশিবা অমা পোকই। ঐখোইম্না খুদমগী মশক ওইনা ভাগ্যচন্দ্র হাকন্দী ওতনা উরবা শৈরেং অমা লৌগে—

পোটরৈ সনা মরৈবাকপু
বৈরি য়েক্লবগী
সমক্র ঈরেন পুংদা
লুপ্লববু।

অসিগী মমাংদা মীতৈলোন্দা সংস্কৃত শব্দ য়াওদে হায়বা ঙমদে। মাদুদা লৈরবা শব্দদি য়েৎনবা লৈতনা মনীং তম্বা উই। তৌইগুম্বসুং মতাং অম্বুরাইদগীদি মীতৈলোণগী এম্মি থরা শাম্বা উরে। লংলোণ, সোনামানিকনচিংবা লাইরিক উরবদি ঐখোইনা মখোই অসি যুগসন্ধিগী মতমদা পে.কপনি হায়বা থাজদনা ঙমদে। অপোকপলোন, থেবরোমচিংবা লাইবিক্কী মতমদা লোনগী মনিংমথা তম্বা অমা উবহু ঐখোইনা মতম অসিদা উত্রে। মমৈদদি পাম্মুরবা শব্দ কয়া কয়াগী মফম মখোইনা শিনখিবমা শব্দ কয়া অরোইবা ওইনা মীতৈগী থমোইদগী মুৎশ্রে হায়বা থাজে। মমৈদা মাদুনা মতাং কদাই য়োরবগে হায়রবদি মীনা মীতৈশব্দ শীজিমবা যাওবা অরেম্বনি হায়না খল্লকত্রে। মাদুনা থোকপদি, নোংচুপলোমদা করি করিগুম্বা মফমদা শীজিমৈ হায়না তাবা "অপানানা যাইসি হায়বা ত্থান্না হেক্তা যাইসি" হায়বা ফাগিগী রা অদুমক থাক্লৈশেংনা য়েৌক্লিরবনি। অদুনা অনৌবা শব্দ কয়া অমা, ঐখোইনা ফংলবসু পাম্মুরবা কয়া অমা মুৎখ্রে হায়দ্না ঐখোইনা রাজে।

---

* "মৈরাপ্লোজ" ১৯৪২ ইং ১বা চেক্লোংদগী লৌখোকচবা.লমাই ১-২ দগী

মাসিনা লোনগী ৱানি। 'লৌন্দা মঙনা ভাবতসু অতু ইতায়' তৌইগুমসুং থেম্বদি—লোন্দা সাহিত্য অমগী শাদোংনা মনিংতম্বা ওম্বগুম্না ভাবতদি ওম্বা ৱাগনি হায়বা ঐখোইনা থাজবা ওন্নি। মুখ্য অঙ্গিনচিংবা প্রেমবা মতুং ইন্না ওইবা য়াত্রবা ভাব অদুদি অহানবা চংলক্লবা ভাব অদুগা অদুক ... মসেংবগা সম্মিদা চান্না তিন্নখি; অদুনা থৌন্দনা অনৌবা পাঙ্গল পী। বৈষ্ণব সাহিত্য হান্নবা অমি অমন্না লৈরবা সাহিত্যনি; অদুগা সাহিত্যগী থৱাইদি রসনি, ভাবনা রসগী তুংনুক্মনি। ... অমুমক রসদি—উপনিষদকী লোন্দা, রসো বৈ-সঃ হায়রবা অদুনি। অসিগুম্বা বৈষ্ণব সাহিত্য অসি তহি চত্থরকপা মৈনরকপা মমনা মৈতৈগী অমাবদি ... ওইরবসু থেৎহি কাওবদদি তোংহন্দুনা ... কংলক্লিং মক্লবসু এপমগী ইন্না চেনদুনা ওন্নি। ... থাজবা অকনা মরম ওইহনা মীতৈগী থমোইনা কনাগীমক লাংতকনদুনা মিত্রা ... লায়কা 'শিগুন ... কো?' মরম ... মাসিবু ... লোকনবা য়াই; ... থমোইবু ... হায়বা অদু থক্লবা ... য়াই। তৌইগুমসুং তাওলবা প্রেমগী ইন্না হায়বা অসি থৱাইনা রসগী নিংশিংবা ফংনবগীদমক লাংতকপবগী পুদেকনি, লাংতকনবা থৱাইগী পুবা ওমন্না ইচাউ অদুবু মাসিমদা ইথাউ পীরিবনি; অসিগুম্বা প্রেমগী অত্যঙ্গা ভাব অসি মীতৈগী থমোয়দা বৈষ্ণব ধর্ম সাহিত্যগী হায়মনি। বৈষ্ণব সাহিত্যগী প্রেমগী তোঙান তোঙানবা মওং—পূর্ব্বরাগ, মান, বিরহ, মিলন, উৎকণ্ঠা, কিলকিঞ্চিৎ—চিংবা ভাব অসি হৌজিক মীতৈগী থমোইদা অয়াম্বদা কাওরে হায়বা য়াই; অযাম্বনা ভাবকী মশক মমিং থওদবা য়াই; তৌইগুমসুং মথৌই অসি মিংনাইদনা থমোইগী কুরাংবান্দা নপতুনা লৈরদগী হৌজিক ঐখোইনা উদনা থওদনা থমোইগী থুপ্রবা কোচিন ফাওবা য়োরে হায়বা ঐখোইনা থাজে। অসুম্না মীতৈ সাহিত্যগী মপা থুদিংদা বৈষ্ণব সাহিত্যনা থুক্কুম চনবা নত্রগা মপাঙ্গল ফোংদোকপা উই। ইশৈগী মরুমদা বৈষ্ণবধর্ম্মগী পদাবলিনা মীতৈদা কদাই ফাওবা তাকিবা পীরবগে অমসুং অরিবা মীতৈ ইশৈনা কুরমনা ফিরুক থুমহনা থাওলিবগে হায়বা অদু পুমনমক থওবা ভাক্কনি। কাব্যদা নায়ক নায়িকা শেম্বদা বঙ্গসাহিত্যদা রাধাকৃষ্ণনা কাম্নবগুম মীতৈগী তুংগী সাহিত্যদসু কাম্নবগদৌরি হায়বা ঐখোইনা উম্নি।

অরোইবদা বৈষ্ণব ধর্ম্মনা মীতৈগী থমোইবু থুক্কুম চনখিবদগী মীতৈ সমাজগী চৎনবী রুহি, আচার ব্যবহারনচিংবা য়ামদ্রবসু থমোইগী অপাম্বা ফাওবা ওনখিবনা জাতিগী লোন অমসুং সাহিত্যগী ফিবম থরা ওক্লোই হায়বা য়াদে। পুম্নমক ধর্ম্মগা লোয়ননা ওন্নে, ওন্নি অমসুং ওনগনি হায়বা ঐখোইনা থাজে। য়েলহৌওঁজদি মীতৈগী থমোই অসি ওইবা য়াদবা অমা ওইরম্মি; মতম অদুদা মীতৈগী অপ্রাস্থি রত্নাদপি কঠিনতরঃ, তৃণাদপি সুনীচঃ হায়বা নিয়মগী হায়বা য়াই। মহাক মহাকী অপাম্বা থুংনবগী মনাওনা ময়ামগী থাও, থাজবনৈ, মপানা মচাখা মরম অজাবগীদমক লাক্লিনে; মতম

মতং অমুক লাকপদা অমসুং ক্ষেত্রী মীরা থিরিবনি। মতম চুপ্পা চুকনবা থবক মায় ওনখিবনি সাকখুপা অমাং মা থেক ওৎবগী থেং এংবানবা থোক্কনি। নংন্না করম্না কংলকপা মীরম, তাইবং পোংবা সায়োকপিনবগী হায়না, নিংথৌরিনি থিবনি। অহৈইখোমসুং এখোইনা থারেদি বৈষ্ণব ধর্মনা মীতৈগী থমোইবু চুম্বক চন্দ্রকিরণগী মীতৈগী পুথিংগী অকুপপা, বারুন অদু খরা ঙম্মি শাম্মখিবনা, অয়োংপা ওয়াক্তা খরা মরা চংলে হায়বা ঙাই। অয়না লোন অমসুং সাহিত্যতা অকনবা ঙম্মদা কয়া থৌশিনবা অয়োংপা, ওয়াক্তা মরা চংখিগদৌরিহি হায়না এখোইনা খল্লে।

বিলাতী সরস্বতীগী মজাইরঙ্গোংশংদা।

(যোল্লক করম ওবা?)

কুইত্রিং চহী য়াখেরোমগী মমাংদা মণিপুর অসিমক্তা হায়নরিদি—ইংরাজী অমবদি লাং তাগি এ, তা খংবদা য়োমব, বি, মোবদা মুজা শাক অমুক ইংরাজীবু হৈকরবদি নরকতগী কাথবনবা উপায় উদে। তৌইশুমসুং মীগী থাজবদা অসিমক মতমগী মতুং ইন্না থুনা ওনখিবনা চহী য়াখেরোম অসিগী মমাংদদি অমুক হায়নরক্লে স্বর্গ কানীংলবদা, বৈকুণ্ঠদা লৈবা পায়বদি ইংরাজি তমু। অদুনদি হৌজিক্তি ইংরাজী তমদুনা নরক তাখিবশিং অদুগা হৌজিক ইংরাজী তমদুনা নরকী লমইদা চংলিবশিং অসিগা অমুক লৈফম তিন্নবা য়ারে, থোইনা বারফম লৈরে। এখোইনা থায়নগী বারৈ তায়, থায়নগী মতীক মগুন চাউরবা ঋষিশিং অদো পোকবদগী ইমাগী মমরা গর্ভগী কাদা থা তরা রানা লেনবা তারমদে—মপাবুং ঋষিগী কৃপাদৃষ্টি অমতং হেক ফংবদা মমাগী গর্ভদগী বেদসাস্ত্র পুথক কোম্দুনা যোগী বেশ, খুরুম, ছত্র, দণ্ডনচিংবা পোষাক শুনা হেক্তা চোংখোরকই। মরক্তু মী তাররবা কান্দবি মাল্ল কয়া তারদ্রে। হৌজিক—মতীক মঙান চাউরবা বৃটিশ গবর্ণমেণ্টনা মকোক ওইরবা বাল অসিদা অমুক উরে—এখোইগী হান্নগী ফিশাং শেংপী, ইজি চেয়ার, লৈজরদুনা অম্বালদা কয়া মোটোর কার লৈতদুনা কাউড়দা তোংবী, পিয়ানো লৈতবদগী সেকার প্লায়বী, মরক্ত হয়বী অদু লেম্না থারিজ তৌখে। থরুরদা কপনীংতি—পেন্সিল নতম সুন্দা ইয়া অহু ড্রিমসিস তৌখে—মহাকী মরুরা পাউডার থারী, অকোবা পেন্ট শেংপী, খোংপ তোংবী বিলাতী সরস্বতী অনব অনোবা সরস্বতী হাপলে। মহাকসু থায়নগী মুনি ঋষিশিং অদুগী মতৌমরা থা শুননা অঙোবা

* এসি ২৫ সেপ্টেম্বর, ১৯৪৬ চেক্ষোংকুপী লৈখোকচবনি।

মকোই "হৌরবা শরুজাক্কা ভাইরবা মচা চা চা পোক্লরে। 'লৈবাকনা অমুক নিররে'। —ঙৈ চুইরবা মচুং অসিনা অমুক গত্যন্তুং চঙলক্রে।' তৌইগুমদুং চহী কয়া অসিদা মীমী মাংজবা অপাম্বা পুন্নমক অসি অমুক ওনথিহনা হায়নবা তারক্রে—হৌজিকী শিক্ষা অসিদি অহোবা ডাভোংনি। কুটিশনা লৈবাক ডাকপা খুদোং চানবা মী শেমগৎপনি—মাগিনা ঐখোয়গী জাতিগী কনিহ কায়রে।' ঐখোইনা মাসিগী অক কত্ত মরম থংদে—হৌজিক অসিমক লৈবাক অসি হাকিম, উকিল, কেরানী, মোহরীনা তাওখোক্লে নত্রগা তাওখোকদোরে হায়বদী ঐখোই উরে। বিশ্ববিদ্যালয় শেমডৈবনী চহী খুদিংগী চুখবা মেট্রিক আই, এ, বি, এনা লৈবাক-থুক্লে হায়বা ঐখোই উরে। নিংথৌ কাওবা থনবিরে—মখোই অসিগী হৌজিক করি তৌবা? লৌউবনা থক্লে মখোইগা য়েন্নহনা চারবদি ঐখোইগী ফৌথোক মতা অসিদা চাবা কোয়নজ্রা? ফিনাবনা থক্লে—মখোইগা য়েন্নহনা শেমনিন্নরবদি ঐখোইগী শেংপ খুংগজ্রা? লান্নীনা থক্লে—মখোই অনিমু করম্না ডান্না? ইমা, ইমা ইউনিভার্সিটি, মশামকতু মচা য়াম্না পোকমন্দুনা ইকাইরে—ইমা অমতনা পোকপা ইটিন ইনাওমকতু লাউনবা তারে "হে সময় সুভগে! লেপ্পীরো ইমা। থতুকুল অসি অমুক চাউহনবিরম্।" নত্রবদি ভারত অসি প্রভাস ওইবা তারে। অসিনচিংবা অসি তারগা থন্দবা য়াত্রে করিগী অসুপ থুনা ঐখোইগী থাজবা অসি ওনথ্রিবনো—থাজেশেংঅমক ঐখোইগী ডরগী মরুদা দোষ লৈরবগে? ঐখোইগী হৌজিকী শিক্ষা প্রণালীগী অফ-ফক্তবা থমবগী ঐখোইগীদি মতম চাত্রি—ঐখোই ইশাগী দোষগী মরমদা থম্নবদি ঐখোইগী অফবা নত্তনা অমাডবা লৈতে।

হৌজিককী মতম অসিদা, লৈবাক অতৈগী বাদি থডদে, ভারততদি লাইরিক লাইগু তম্বা অসি মরুদি শেল তাম্নবগী মরমদনি। মরমদি হিংহনা পাম্নবা হোৎনবনা লুশিন্নকইবা অতুপকী মতীক মাসিনা মাতুগী মরম ওইবা তাশিন্নকই। লৈবাক অসিমক্তদা মমাংডৈদা জ্ঞানগীদমক্তা অপাম্বা পুন্নমক থাদোক্তনা থাংবোক্তা লৈহনা মনামশীং অকংবা থরা চাহনা পেন্নরম্বা তম্বা অমসুং তম্বিবনা জীবনগী ব্রত ওইরম্বা, জ্ঞানতম্না তম্বগী মরু ওইবা মরমনি হায়নরম্বা অতু হৌজিক্তি মাতুগী মতম নত্রে। অতুনা বিদ্যা মন্দির হেক থাদোকপগা থরদং তানবা ডমত্রব মী অতুদি মী নত্রে, মরুপ মপাম্ব শাগেনা মাবু শীংথাত্রে অতৈগী লংনফম ওইরে। মাগী "ফেল ওইরবা" জীবন অদু কনানহ মিহৌবিত্রে। মাসিগী মরম, অমনা অমা হায়বা য়াই, অমনা অমা হায়বা য়াই; তৌইগুমদুং ঐখোইনা অতৈ মরমদি ঈচং থৌনা হায়রুবা ডমদবনিনা ঐখোই ইশাগী দোষ থিবা তাই। ঐখোইগী মহৈতম্বা (লাইরিক তম্বা) অয়াম্বগী অপাম্বদী তম্বা লোইবগা চাকরি অমা ফংবা অমসুং মাগ্দ ফংনবা য়ুনিভার্সিটিদগী মার্ক অমা থানবা হোৎনবা অসিনি। মাসি শোয়রবদি মাগী মপুন্সি শোয়রে হায়না লৌনরে। শোয়রদনা চাকরি অমা ফংত্রবদি মহাক্কী লোইরে হায়না মহাকনা থক্লে। অদুবা ঐখোইগী লাইরিক তম্নিবশিংগী মরু ওইবা দোষ অনী উবা ফংডি। চাকরি তৌবা নত্তনা লাইরিক তমশিংগী অতৈ তৌনিংঙাই লৈতে অমসুং মাগ্দ ফংত্রবদি হেক্না ফবা লাগী অমা থিদনে

লন, তাৱরাচুপ্পি লাক্নরা হুক্রবা ঐখোইনা থনদে। অনীশুবদা—মহৈ তম্লিংনা (খোইরোকপদি ঐখোই মৈত্রী) ইউনিভার্সিটিগী কোর লাম্নোকুনা খোরজবদা মহৈগী নৈনবা লোয়রে হায়না খল্লি। অদুনা মৈতৈ লাইরিক তম্লিংনা সরকারগী চাকরি অমা ফংলবদি মতম খরগী মসুংদা থবক অদুগী মরম নত্তনা চাওখৎপা মীওইবগী কংবা-হৌনবা জ্ঞান পুম্নমক তম্বপ মহৈগা লোয়ননা মাঙখিবা মফম অয়াম্বনি চাকরি ফংজনা মশাগী অনৌবা চর্চা। নৈতবনা তম্বকপা মহৈ পুম্নমক মীতৈ খুন্নগী শরৈবী বারকা য়েংশিন্দুনা তোকই—অদুনা তৌদবা য়াদবা ছিন্নম অমা হৌগে তৌরকপা মতমদদি অমুক অচাইবিদ্দগী হৌবা তাই। মাসি ঐখোইগী লৈবাক্কী সরস্বতীগী মজা ইবুঙোশিংগী অশোয়বা অমনি—মমা ইবেম্মগী তম্পাক্তগী হেক কুমথবগা লীলাগী শিষ্য শাবগুমনা মীনা হেক থুগাইদুনা অমসুং তমনবা লাইরিক অপুম্বা য়োম্থোক্নুনা মমাহুন লক্ষ্মীগী মনাক্তদা চংগে হায়বা অদুবু লক্ষ্মী সরস্বতী অনী অসি লোয়নবীনি— মাবু পেলহনগে হায়রবদি সরস্বতীগী পোলিসি চংদবা য়াদে। অবাবনি।

— — — —

হৌজিক করম তৌবা। *

লালমনির হাট ষ্টেশন থুংবদদি পুং নিপাল লোম তারগদ্রা—মমল্লে। গাড়ী ওনবগীদমক কুমথরে—লোয়নবনা অঙাং অনীথক—ঐনা পোৎ শঙলগা মখোইবু কল্লিগুম্বা অমতং চারু হায়দুনা থাদোক্লম্মি। মখোইনা লাকত্রিভৈদগী ঐসু খৌরাংবনা চরম অসি কংলম্মি— কম্না নীংলম্মি, লেমনেড লিক্রি অমতংদি থকলুরগে মাংবা শেংবগী বা খোইনবু খল্লুরে, মরমদি ঐ ইশামক শাস্ত্রদা য়াম্না থাজজে— ওঁ অপবিত্র পবিত্রো বা সর্ব্ববস্থাঃ গতঃ পিবা, যঃ স্মরেৎ পুণ্ডরীকাক্ষাঃ সঃ কক্ষাভ্যন্তরঃ শুচীঃ। অনুস্বার অমতং ককথৎপা নত্রগা বিসর্গ অমতং হাপচিনবা তৌদনা হায়রবদা— ঐ মাংবদি মাংলকত্রে লেমোনেড ফংলকত্রে। মাহুগী প্রায়শ্চিত্ত তি— ঐনা দোকান্দগী খোরকপদা গাড়ী হুইসেল পীরম্রে—শান্দোক্জদোরে। থুনা চেল্লকপদদি—অঙাং অনীসু লৈরমত্রে—গাড়ীসু খরা খরা চেলবগুম নীংলে—ঐহাকসু ইকাইরে—রাসু রারে। অঙকপনি মিনিট মথাই অতুমদা চহি অমগী রাখল তৌবা তারে—রাখল য়াম্মি হৌজিক খল্লবদি ফনা কুইনা চংগনি—**How fleet is the glance of mind**। অমুক্তংদ চোপ্পদগী হৌহনা—নবদ্বীপ কৈথেল্দা সম্বৎসরগী ইনশাং লৈবা ফাওবা লোইনা খল্লে। পোত্তি অঙাং অনিনা পুরম্বদা নম্রে—অতবু থনমথৈ খল্লগা ইশাদা গাড়ী তোংথৎপদা রিজোলিউশন তারে। মনিলগী রথ লোমদা চেনশিনখিবদদি সিংহ দ্বার পুম্নমক পোরোল

---

* "ঙসি" ১৫ জুন, ১৯৪৬ দগী লৌথোকচবনি।

য়েংশনখ্রে—খেঙউ পুন্নমক্তগী খোঙ্গেল অমতা মতাম্রে "জায়গা নাই" অহুমগী অমুক থাখল — খঙলে, হুংশিংকী লমীদা বাবু মন্ত্র শোন্দুনা চঙবা তারে। ইশামক মীশোম্নি— নরমনুং লৈশিন্নবানি— মতম্না থাজবনিনা সিদ্ধি মিপাল লৌরঙ্গুনা ফিঙুপ ৭ তা মিংহৎবোং অমদা তুনাজিনখিবদদি ঘোষ বাবু অমম্না লৈংবান্বা তাকুরে। ঘোষ বাবু অঙ্গুগী মমিং অমহু শাউবনা জবাকুসুম—শাওবনসু চুন্নি থীন্দনা লীনা মতৈক থোক্লে—ঐনা নিত্যানন্দ ঘোষনা মাথাই। ঐহু কাম্নরোই হায়না খন্দুনা থাদোশংবা নিত্যানন্দগী পোলিসিদা বা অমতা ভাংদনা তুমিন্না লৈরম্মি। ঘোষ মশায় অমহু শাওমখৈ শাওরম্নগা মমৈদদি য়ারমালে ফমখত্রে। লাইবক ফদনা মাগী মীংলম্নবা খুদম অদু চানদি চাজহৌত্রে। তাজা অদু য়ৌরবদি কারিগুম্বা অমতং ভাংবনা ফবরা হায়দনা ঐনা হায়জবম্রাই "মশায় মাপ করিবেন। মায়ের শ্রাদ্ধ উপলক্ষে আমি নবদ্বীপ যাচ্ছি, আজকে না গেলে নয়।" অহানবদদি ঘোষ বাবু অদু কয়া থৌশারমদে—মমৈদদি ঐঙোন্দা মুল্লে মখৈ য়েংলকই অমসুং চানবিদনা মচিন্থান কাংথোকই য়াদি—আপনি বৈষ্ণব, বুঝি। ঐ—"আজ্ঞে হ্যাঁ"। অদুদগী অমুক বাবুসাহেব অদু উইথত্র। ঐনা মনাক্তা মাগী খোগনগী মওং ওইনা লেপচরম্মি। অসুমনা পুংথাই মরুম লেপ্লনা চংলবা মতুংদা ঘোষ অদু ফম্লক্লে—কৌতা অমদগী কোরেকো, মিকচব কাপরা লৈপিদুনা অমগা পীরে মাহু কোন্দুনা থক্লে ঐহু কোনবা শাম্রে—ঐদি শুংভাইবনা কোকচাওবী কারে—মরমদি সিগরেট ফংবগী নত্তে—চোক্লবা কপ্পাক অহু অমুক্তং কোনশিনজনা ফংলগত্রা হায়বগী আশাদগী। অহুবু ভাইহাক মভাইবা তারম্মি—মমৈদদি নীংবু নীংলবদি মখুংলকই হায়তুনা—ঘোষনা সনা য়াথং পীরে—"আপনি বসুন" মাগী কম্বল অহু থজিক্তং ভিংথোকপিরে—ঐহু ফমজরে। ইবিঙানিগী লাল অহু সন্ধি তৌনরে। মমৈদদি ঐবু মণীপুরীনি হায়বা খঙলবা অহুদা মানা ঐঙোন্বা লানগী অয়াম্বা রা হংলম্মি অমসুং ঐবু খোজালগী মিংয়েংনা যেংলিরে।

২

ঐনা ছায়রিবগী ইংশোক ১৯৪৫ গী জুন থাগী য়ানি। মতম অহুগী রেলগী খোঙচংকী য়াদী অচৎপা মীতনা খঙত্তি। অসামগী পীক্রবা রেলগাড়ী মচা অহুনা ঐখোইবু দায় দত্তিগী মশক ওইনা লালমনির হাট য়ৌনা পুবিরক্লিবনি—লেপনীংবা মফমদা চপ। মিলিটারী গাড়ী লাখোকখিদবা য়াদে—ষ্টেশন হায়বগী য়া থখুবা য়াবা মতম নত্তে। থাওমৈগী য়াদি? চংলিবা অহু অক্ষু য়া আলকাপুরী চংপগী থোংফমনি—পুন্নমক আমাবশ্যা। বোড়া লোম্নবগুম মী লোম্নরে হায়বদি খঙই—তৌই অমসুং কনানা কনানো উবা থংবা পোৎ নরে। অসুম্না অসি য়েৌরবসিদা থন্না ফংগত্রা হায়রলা আসিদনু

' * "ডন্সি" ২৫ মে, ১৯৪৬ কী চেফোঙদগী লৌথোকখবনি।'

তৌরম্মিবা—মবাংদা হায়রিবনি মথং অহুনি। অতম্না ঘোষ মশায় অহুগা এরী শাদনা লৈরিতে অহুদা ত্রেগা মিং অসি মীতৈ লাহেবম্মচা অমগী মথক্তা তাকরে। —ওইরবা য়াই—পোথাকতুনা হায়রবদি ঠীকাদার মচা অমা। ঠীকাদা থরা কংজহৌবা অহুনা কলিকতাদা চেগাই মুনাই থরা লৌহুনা ইহ্নালদা চাইখোক্নে। ধমকাদার বাবু অহু মরাইবক থাবনা চোংলম হক্তবা বাঙ্গালী পাথং থরগী মরক্তা তাকরে। চিনগী চিনবনে বাঙ্গালী অমগা হৌবকই—"চিনগা চিনবা অসিদা হৌনবা খঙদরা মণিপুরী শানা অমত্তু লাক্তুনা কমজিল্লরে। এখোইগী মৈতৈ বাবুহু বাঙ্গালা খঙদবনবা কনিংতা থুমদে। তৌইগুমগুং জাতিগী ওইনা ভাংবা য়াভাং অহুদা ঐদি পুক্নিংদা থরা য়ারৌজবা শাই। অহুবু য়াভাংঙবদি য়াবা মতম থোক্কলমদে। অহুদগী অমনা হৌগতনা "আপ ইসি মাফিক বৈঠ" হায়দুনা মীতৈ বাবু অহুগী মরেংবাম পায়দুনা থাঙহনা হেক কমহল্লি। 'আপ' তি হায় হায়ববু কয়া মুওইকনা থোক্কে। মখোইনা মীতৈ মচা অহুবু য়াজমা তোল্লবা মিংয়েংনা য়েংবা অহুদা ঐ কয়া মুংওইতে। মনাক্তা বাঙ্গলা নিংখিনা থোক্লা মারবারী "ভদ্রলোক অমত্তু ফম্মি মাগমু অহানবদগী থরা লাউনরমমাল্লে। মাহুদি ঐ-কয়া-তাহৌরে—বাঙ্গালী মচা অমনা মাঙোন্দহু "এ মারওয়ারীরী গদী নহী হায" হায়বগুম তৌবরা থরা লাওনে। মমৈদদি মাগদি থোইনা ভাংনবা তৌখিদে। ঐখক্তি মাঙ্গী দশা অহু থোকহৌদে মরমদি অহানবদা ঘোষ বাবু অহুগা কম্মিল্লবদগী—অনীগুবদা ঐনা কথা খেক অদ বাঙ্গালী হন্নবা থরা অমত্তুং আরা জিলাগী হিন্দি ভাংবা মী থরা নতনা পাখং কয়া য়াওরমদে মাসিদগী হৌনা ঐনা পুক নিং মুংঙাইতনা নিংখোংলোমদা য়েংদনতা চৎলম্মি। পুক্নিংদা অন্নাবা পোকখি মবমদি, এখোই ইণ্ডিয়ানশিংগী তোঙান তোঙান তানবা মতৌ অমত্তুং ইণ্ডিয়ানগী মতুংদহু এখোইগী কাংলুপ অসিনা শোথরিবা মতুং অতৈনা খঙদ্রিবা মতৌ অদ উবদা। অমহৈলা পুক্নীং মুওাইতনা পার্ব্বতীপুর য়োরে। রানা ঘাট-তানবা রেল অদদদি থোইনা য়াবা থোক্লে। অঙাং কায়নবা অনী অদত্তু থেংনবে। মাদনা তোংলিরবা মীতৈমচা লালোনবা অনীগী মরক্ত অমনী মুথা লিশিং অনী ফুরিংথাউদগী চৎপিনে। হায়রা ঙাংনরকই—মাদদা মফম থজিক্তং কোয়া অমহুং কায়নখিবা থোঙবু থেংনবগী থরদং মুংঙাইজবা অদ অমুক মাংবা তাখি। ঐদি চুন্না তীর্থ চৎপনি—অচৌবা উদ্দেশ্য অমা পুদনা—তীর্থদা মাতৃতর্পন কৎপা। তৌইগুমহুং য়াদদনা ঐবু য়াথন অসি তৌবা তাহনখি—হৌজিক করম তৌবা? মমাঙদা ফোঙখিবা "লানহু লোইরে৷ ঐহু লোইরে হৌজিক করম তৌবা" হায়বা শৈরেং অদ মরক অসিদা লেংজরকপনি। হৌজিক্তি থাঙ্গেল্লেংবা মক ওইদনা য়া তারসি—ঐখোই হৌজিক করম তৌবা তাবা। ঐহু নবদ্বীপ ধাম য়ৌজখিগে—পাঠকশিংনা মতম থরদং ঙাইবিবা নিজরি।

৩

নবদ্বীপ য়ৌরগা অবস্থা অসি থবা ফগত্রা থরম্মি। তৌইগুমহুং মাদদহু ভথৈবচ। নবদ্বীপ অপুম্বা বাজার ওইরমল্লে।* অরৈবনা মৈতৈ—য়োন্দবা লৈতে—অচা অথক, ফিরোল, লাই লাইপ্রসাদ রেলগী

* ঙসি ২১ জুলাই, ১৯৪৬ চেফোংদগী লোথোকচবনি।

টিকেটকী অমুক, মসল। পাইব, লৈতে—ঐখোইনা হৃৎনুংশিরবনিদা গভি লৈরেংদা—শেরশিবা নিয়ম অদু, ঐখোই মাবা, ভাই। চোইঙমসুং রাজবা মথৈদি ভপিন—তীর্থ, দর্শন অমসুং ঈশ্বর পুজনবা অমুক মীওয়া, পোননবা, অমদা কোইবা নত্তি, বৃন্দাবন, রাধাকুণ্ড মতম পুরমক্তা, অমনী অদু মতায়। অমলগা মোম, বাহুগা, ঐগা, মরি শায়রকপা Mass education শী ঐ অদু নীশিংলকই। থক—ঐখোই পুরমক শিক্ষা ফংনবা হোৎনবা তাই—নত্রবদি ঐখোইগী জাতীয় সম্মান ফংবা ঙম্মোই হায়না পুক্নিংদা থল্লি। চোইঙমসুং কাচিন্না ফম্বা লেখক অমনা কপ্পি তৌবা ঙমগনি ? মাগী মথৌ হায়বদু ইবতনি মাহুনা থবকী লমদা কায়গনি কায়রোই থঙদে—মাগী মথৌদি তৌদবা য়াদে। অয়াম্বনা এম, ডি, ইউ লৈবদা "নরমাল্লিকা"দা মাল্লিকা অঙাওবীনা ঙাংবা অদু লেখকনা ইনশিনজবনি—মতুংদা "লানমু লোইরে ঐমু, লোইরে হৌজিক কময়-তৌবা" হায়বা শৈরেং অদু লেখকনা ইরে। ঐনা হৌজিক তমগদৌরিবা অঙাংশিংদা থম্নবং ইজনিংঙী। হৌজিক মানবীয় স্টেট এডুকেশন মেম্বরনা Mass educationগী হিরমদা পুক্নীং চংবিরা উবদা যারা ঙুংঙাইরে অমাম্বা মফমদা প্রাইমারী স্কুল হোৎগৎলকপা অমসুং ষ্টেটকী মতেং ফংগদবক্তম উবা অসিদা ঐখোইনা নীংক্রবা খুংগন্না নীংলে অদুদি হায়না নহারোম্দা অদুক থৌসি—

ঠীক হায় জোনি
য়েংঙুকো চোপচল্লি
অসিদবু তমগ্রবদি।
এখোংপ্রাউণ্ডি চোল্লে
লৈবাকতা চিংলে,
লৈজহৌসন্নু মাদি।
শিক্ষা আলোক হাপ্লে
থুনাংদা খড়ি শিরে
য়েংবদা পুরা সাথি।
ফীজোন্দি সাহেব
থবকতি উয়েব
তাজনিকো জোনি।
হোটেল বড়া চারবা নংনি
আলু শাকসু তংলবনি
থক্রবনি টেবিলদা চা।
থাকু য়েয়রবা নংনা
থোমুম কনাবু কিদনা
হমুনি তমদা

O. K., ও, খে, জোনি
তম্বতনা নংগী কনি
মাহনদা অতৈগা
গোড়া মপাম শায়রোই
শীং কোকথোং ওক্রোই
পীয়রোই ঙাম্বী কোটা
সাথী কনা খুশন্ননা
চৎলরোইদো হরাওনা
ফংলরোই শঙোমগী কোটা।
ঙাওশিন্নরমু লনীদা
তম্মুরমু তমদা
চোংথোকও মীমাম্ননবা
ঠীক হায় জোনি
O. K., ওখে জোনি
হুংঙাইরে য়েংবদা !
হুমিৎনা কারিঙৈ কাহৌরো
কোড়ানা পাল্লিঙৈ চাউহৌরো
তীং তীং তমহৌরো।

ধর্ম্মগী মরু

ধর্ম্মগী ইতিহাসগী মরমদা থরদং ইথা তারবদি— ঐখোইনা মীওইবনা চৎলিবা ধর্ম্ম অসি মরুদদি অনিথোক্লা খায়দোকনিংই। জীবগী ধর্ম্ম অমসুং মীওইবগী ধর্ম্ম। মীওইবসু জীবনিনা অহানবদা জীবগী ধর্ম্ম চৎলমদবা য়াদে হায়না লৌবা য়াই; মশাগী হিংহনা পামবা, মশাগী মুণ্ডাইনবা হোৎনবা, মশাবু মুংশিবা অসিনচিংবা অসি মীওইবগীসু অহানবা ধর্ম্ম ওইরম থোকই। মতুংদা জীব অতৈদগী মশাগী তোঙাম্না তানবা হোৎনরকপদগী মীওইবগী ধর্ম্ম অসি জীবগী মামবা ধর্ম্মগী মথক্তা হাপকৎলকই। মীওইবনা সমাজ শেমহনা লৈদা তাররবদা অহানবগী মশা মুংশিজবা অসি মাগী খুরবা পল অত্থ লাম্থোক্লনা মপান্দা, ময়ামদা মাগা মরী লৈনবা অতৈদা শন্দোকপা হৌরকই; মরমদি অতৈবু মুংশিবা অসিসু মশাগী মুণ্ডাইনবা তেঙবাঙলরি। অতোপ্পবু ইশাগী ওইহনবা ঙমত্রবদি তাইবংপানবদা তাইবং মী ওইনা পানবা য়াদে; মরম অদুমক্তা অতোপ্পবু মুংশিবা অসিসু মী ওইবগী ধর্ম্মগী মনুংদা চল্লকপা তাই। কনা কনাগুম্বা ফিদম লৌনফম ওইবা শাস্ত্র লেংবশিংগী মত মরুদসু মীগী ফনবা তৌবতনা অথোইবা ধর্ম্মনি হায়বা তাই; তৌইগুম্বসুং অনীমক্তা থোং গানবনা ধর্ম্মনি হায়বা ঐখোইনা য়াজনীংই।

রাতানা ঐখোইগী তৌগদবা থবকনা ঐখোইগী ধর্ম্মনি হায়বগুম থোক্লে; মথক্তনা হায়রে মীওইবগী তৌগদবা থবক অসি চাউরাক্লা অনী থোক্লা খায়দোকপা য়াই— মশাদা তৌগদবা অমা, অতোপ্পদা তৌগদবা অমা। অসিদসু নত্তনা মীওইবনা চাওখৎলকপগা লোয়ননা অতোপ্পা তৌগদবা মথৌ অমসু পুথোকখি অমসুং মথোইগী তৌগদবা অতৈগী মরক্তা তঙাইফদনা তৌগদবা অমনি হায়না হাপচিনখি। মরমদি মীওইবগী জ্ঞান অসি ঙসি ফাওবমক মপুং ফারে হায়বা ঙমদ্রি; মথোইনা থঙগদবা মথোইনা তমগদবা, মথোইনা থিগদবা অসি য়ামনা রাৎলি হায়বা মশানা থাজে; অচুম্বসু মচুম্বনি। তাইবংপানবগী শরুক থরা মীওইবনা থঙিং, থরনা থংদ্রি; থরনা মথোইগী রাখল মমসুং জ্ঞানগী ঙমখৈগী মনুংদা লৈ, থরনা রাংমদা লৈ। অখঙবা থরা অতুগী মনুংদা থরবুনা মথোইনা মুংশি, থরবুনা মুংশিদে থরা অমবুনা তঙাই ফদত্তনা মুংশি। থঙদবা শরুক অদুবুদি মথোইনা মুংশিবা ঙমদে, মুংশিদবসু ঙমদে, মাহুবুদি মথোইনা কি; কিহনা কিনা কিনা চৎলি। মহু মথোইদা মমম্বগুম থল্লি।* মথোইগী মথুং চত্রিবা, মথোইগী মথা পোলহনবা ঙমত্রিবা শরুক অদুদা মথোইনা তীফম থঙদনা তৌইগুম্বসুং লুনা কিনা য়েংহনা লৈরক্লি। মীরোন্দা হায়রগা মথোইনা কিরিবা পাঙল মহুদা পাইখ উত্রবা অমগী মঙংগুম্বা চিরোল তৌরি, মানা শাউখিগ'ন হায়বুগী কিবগী নাওংগুম্বা য়াম্না মায়য়োক থাকম কৎনবা থোরাংলি। অসি নত্তনদি মশানা অশোনবা অমসুং অপংবনি হায়না

---

* জ্যোতিঃ ১বা পোরহু শকাব্দ ১৮৭০, লমাই ১০/১১ দগী তৌথোকচবা।

খঙ্গনবা মীওইবনা মখোইগী পান্থৈ লৈতে হায়বা মশাগী ওইদে। মরম অদুমক্তা মীওইবনা মাশিংবুহ্ মখোইগী শোয়দনা তৌগদবগী মরক্তা অমমি হায়না থাদে। কনা অমনা মাহুবু পাওজবগী থবক্তি হায়গে হায়না লাক্লবা য়াই; তৌইগুম্বসুং মাহুদসু মানা ইচং থোবা ঙমদে; কিনা কিনা চিংনা চিংনবা হায়বা ঙাই। মাহু পুন্নমক লাম্বোক্নুনা হায়বা তাত্রবসু ময়াম্মগী তিমবা পাজন্না মথক্তা কুজিল্লকপানা য়ামী থিংনবা পাঙ্গল উদে।

মরম অদুনা মশাদা অমসুং অতোপ্পদা তৌগদবা লৈবা মখৌ অসি অসিদা নত্তনা মীওইবনা অতোপ্পা তৌগদবা অমসু মখোইগী রাথসগী শাহুনা পুথোকখ্রি; মাসিমক মীওইবগী ঐখোইনা ধর্ম হায়রগা খঙনরিবনু, অসিগী অহানবা য়াখলনি। তাইবংপানবগী অহুগুম্বা উ-বা, খঙদবা পাঙ্গল অহুবু অমনা ওইরবসু অমনা ওইরবসু পেলহনবা ঙম্গতা মীওইবনা মখোইগী অকবা ওইগনি হায়না থাজে। তৌইগুম্বসুং মতৌ করম তৌরগা মাহুবু পেলহনবা ঙমগদগে হায়বা অহুদি ঙসি ফাওবা কনাসু অওইবা লেপ্পা ঙমদ্রি। কনানা মাসিনা অচুম্বনি হায়না পুথোকলবসু মসি শোইদ্রবনি হায়না কনাসু লৌনবা ঙমদ্রি। য়িজ্জাম্না অঙক অঙকপা হিরম কয়া পুথোক্লক্লে থা, থবাম্মিচাককী খোঙচৎ শোয়দে হায়না উৎলে, অরাপ্পা অরাংবদা লৈরবা প্রহদা লৈবা অঙক অঙকপা হিরম কয়া ইনাক্তা লৈবা পোৎকুম্না উৎতুনা তাক্লে। তৌইগুম্বসুং হৌজিককী চহী লিশিং লিশিং হোৎনরক্লবা হিরম অসিমতংদি উৎনবা পান্থৈ নত্রগা খুৎলাই অসি ফাওবা পুথোকপা ঙমদ্রে। ঐখোইনা খঙদবা অমা লৈরি, মাহু খঙবনসু চুম্মি হায়বদি খল্লে অমসুং খঙলে; তৌইগুম্বসুং খঙনবা পান্থৈদি খঙদ্রহুনা তৌফম খঙদনা য়েংহুনা কনানা নীংবা কায়হুনা, কনানা অনৌ অনৌবা আশা পুহুনা ঙাইহিরি অমসুং হোৎনরি। হোৎনবদি ঙসি ফাওবা তোকদ্রি তোকদবা কিরি নত্রগা তোকপা চুমদে খল্লি অসুম্না ঐখোইনা খঙদ্রবা, উদ্রবা পাঙ্গল অদুগী মঙাল মরীক অমতং ফংগদ্রা হায়দুনা হোৎনরিবা অমসুং মাহুগী পান্থৈনি হায়দুনা ঐখোইনা সাব্রিবা অদুমক্তা মীওইবগী ধর্মনি।

হৌজিক পৃথিবীদা হিন্দু, বৌদ্ধ, খৃষ্টান, ইসলামিক অসিনচিংববা তোঙান তোঙানবা ধর্মগী মিং তারি; তৌইগুম্বসুং পুন্নমক মরূদদি অমত্তনি। ঐখোইনা উদ্রবা, খঙদ্রবা পাঙ্গল অহুবু খঙননবা নত্রগা ফংননবনি হায়না থাজহুনা শীজিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা নীতি, পান্থৈ অদুগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা মমিং থোনখিবত্তনি। অপঙবা অমসুং অশিংবা মী পুন্নমকনা অতোপ অতোপ্পা নীচং, পান্থৈ মশা মশানা থাজবদু অতোপ্পদা উৎতুনা মরাবু মাগা লোয়ননা হুডাইমিন্নসি হায়না কৌথত্তনি। মরম অদুনা মতৌদা ধর্ম পুন্নমক আচার অমসুং নীতিনা কুপথিদুনা মানা মানা পান্থা মতুংইন্না উজবা পোৎশক অদুমক কাওবা তোঙান তোঙাননা উদ্রে। ঐখোইগী শাস্ত্র অমদা উথী— "লোকহিতৈষী সহায়" সহায় ওইরিবা অদুমক ধর্মনি। তৌইগুম্বসুং মহুগী মওংদি তিমদে। মদুগী— দমক মীওইবগী সমাজবু তাকীকবসু চুমদে।। সমাজ হায়বসি অলিঙবা পোৎশক অমনি— মাদুবু

থাগৎপা নত্রগা তাথীবা ঙাংবনা মাগী খোঙচৎ থিংবা শ্রদ্ধা পোৎ নত্তে, মাদি মাগী লম্বীদা ওনগদ-বতনি। মরম অদুনা অহৈ অশিং গুরুশক্তি কাতিনবা ধর্ম্মশাস্ত্রগী পম্মা থিংনবা লাক্ক লাকননা মাঙ্গি ওনগদবতনি। অমম্বদা লৈবা পোৎ অদুবু কনানা করিনি হায়বদা কনানা করিনি হায়বা ঙমগনি। অদুনা অশিংবা কন্যান্না নীংবা কায়ুরুনা লাউবা তাম্নি—

"ধর্ম্মস্য তত্ত্বং নিহিতং গুহায়াম্।" খঙলবস্থ খঙত্রবস্থ আচারনা ঙাক্তা কুপথিদুনা ঐখোইগী মরু ওইনা তৌগদবা ইথৌ অসি কাউথোকপা পামত্রবস্থ হৌজিকী মতমগী নোংচুপকী চৈথাকমচা তাবগী মঙাল খরা উরবা নত্তগা তারবা মী-খরনা ঐখোইগী নত্তগা অতোপ্পগী ধর্ম্মদা খোঙজেলবা উৎপস্থ য়াম্নিংদে। মরমদি হন্না হন্না হায়জগে অমুক্তা উজ্রিবা অমম্বদা কৈগুম্বা পোৎপু কনানা করম তৌই হায়বা ঙমগনি? ইশাগী ধর্ম্মনা অক্করদি অতোপ্পদি খঙফম থোকে অদুনা শাস্ত্রনা হায় "স্বধর্ম্মে নিধনং শ্রেয়ঃ পরোধর্ম্ম। ভয়াবহঃ।" ঠাকুর মহাশয়না হায়— মশাগী লৈইনিংবগী মওং কনাদস্থ হায়রোই। মথক্তা হায়খিবা "লোকস্থিতি"গী দমক ধর্ম্মনি হায়বা অদুনা অচুম্বা তারবদি মাগা মরী লৈবা থৌজাল ফুংশিবনচিংবা অসি ধর্ম্মগী অচৌবা মশক্ত অমমমনি নত্রগা ওইফম থোকই হায়বা ঐখোইনা থাজে। মরম অদুনা ঐখোইনা অফবা থবক পুন্নমকপু ধর্ম্মনি, ফত্তবা পুমনমকনা অধর্ম্মনি হায়না খম্বা চুম্মি হায়না থাজে। মাসিদা নোংপোক্কা নোংচুপক্কা খন্না খেন্নবা উই। নোংপোক্কী ধর্ম্মনা বৈরাগ্যনা নম্বনি অত্তুগা নোংচুপকীনা কর্ম্মনা ওম্বনি। নোংচুপনা কর্ম্মনা থবক্কা ফুংঙাইবা, য়াইফবা চাওথৎপা ফংনৈ; অদুগা নোংপোক্কা বৈরাগ্যনা শান্তি, ফুংঙাইবন-চিংবা ফংনরি। মাদুগী অফবা ফত্তবদি অপাম্বগী মতুং ইল্লি। ঐখোইগী মথৈ ফত্তবনি হায়বস্থ কনানা হায়গনি? অসি যেশান্তকুম্বা নোংচুপকী অন্না ফুঙাইবগী থবকী লানফমগা থেংনদুনা লাক্লবা মীমক্কস্ত নোংপোক্কী থাদোকপগী ধর্ম্মগী শুম্বৎনবগী মশক ওইন্নবা শকফম উন্নদুনা মিহৈৌরি। অদুনা ঐখোইস্থ অমুক্তা হায়সি—

ধর্ম্মস্য তত্ত্বং নিহিতং গুহায়াম।

মতমগী রাখল

খম্বা থোইবীগী বারি অমসুং মহাকাব্য

ওলাংথাগী হুমিদাংবইরমগী মতমনি হুমিৎনা চীংয়া থাংখরে, চীংয়া খেন্দোং লাংখরে, উমম্না কোল্লি চেল্লে, অল্লামদা মেংনা হুংশিল্লবা বীণাগী খোঞ্জেননা রু রু জি 'রৌ খোংজি। লৈকাইগী শাবী শান্নৌজগী হৌনা হুম্ন হুম্বী লোইনা তিল্লি কনানা বীনাগী হুংশিল্লবা সুরদা তাবদা পেল্লি। কনানা বীনা ঈশৈ শক্লিবা গায়ককী স্বর খোলহেক; ছন্দ তাবদা হুংগাইরি, কনানা খম্বা থোইবীগী বারীমথৈদং তাহনা হরাওরি, কনানা মাহুপা মল্লী লৈনবা প্রাকৃতিক দৃশ্যগী নিংথিজবা অহৈব গায়ক অহনা মাগী তাওলথ খোলগা অমসুং শৈরেংনা থাবা তাহনা মিৎলুদা হুংগাইবগী ঈশ্না শিন্থরি, কনানা খম্ব থোইবী অরাংবা নীতি তাহনা পুকনিংদা অনৌবা শিক্ষা অমা ফংনবা তাল্লি, অসিনচিংবা। পুমনমক পুকল্লিং চণ্ডলি, কনা অমসুং মাথোক্কে। মাসিগী মরম করিনো? 'মরমদি ঐথোইনা য়াম্লনা শম্না হায়নিংই—খম্বা থোইবীগী বারী অসিদা রস নত্রগা হায়কম থোকত্রবা থুমলবা অমৃত অমা অহুংদা লোৎতুনা লৈ। থুনদা লীলা কয়া তৌই, অপাম্বা কয়ানা য়েংই, পামদবা কয়ানা তুম্বা কায় হায়হনা শাওই। কুশ্রে কয়া কয়া মকম কয়া কয়াদা নিতি নিতিগী থোকই, অপাম্বা কনাগুম্বগী হুংগাইনবা ওই, পাথদবা কনাগুম্বগী খোয়শাওনবা ওই। তৌইগুম্বসুং হায়শিল্লবা শাওনিংবা তৌশিন্নবা ইকাইবগী বাদি তোঙানবনি, চুমনা হায়বা তারবদি পুম্নমক থমোইগী য়ামনা থুপলবা মফমদদি খম্বা থোইবীগী রস থল্লীংবা ঙাক্তনি। পুম্নমক মানা মানা পাম্বা নত্রগা নীংবা মতুংইন্না মাগী মাগী থুম্নবা রস অহু থকপম্ন ফংলকপা ঙাক্তনি। অসুম্না সনা লৈবাক অসিদা পোক্লবা মী কয়ানা মোইরাংগী খম্বা থোইবগী বারী তাদবা কনা য়াওবগে? মৈতৈ বাহৈদা করি হায়নৈ—ফজবগী প্রমাণ তৌনবদা মোইরাং থোইবীহু মঙায়রে হায়রবদি ফজবগী ওইবা য়াবা ঙমথৈ য়ৌরে হাইবা থঙনৈ, মাদি থবনি হায়রবদি কায়দবা লান্দবা মীনি তুংদা শোয়দনা অফবা ওইরকনি হায়বা থঙনৈ মানা নোংবান শারে হায়রবদি অফবগী য়ৈথাটনবা পল্লি হাইনা থঙনরি। অসুম্ন অথোবদা থোংলেন, অশিংবদা নোংথোম্বা, অহুদগী কাব্যদা চিথরীবী কপচেৎপী থম্ন ফাওবগা বা পুম্নমক্তা রস অসি চপমাম্নন য়াওরিবনি। অহনহু নায়ক নায়িকাগী মমিং মতুং ইন্না থোল্লবা খম্বা থোইবীগী বা অসিনা "মোইরাংগী খম্বা থোইবী" হায়হনা অসি য়ৌনা মীতৈগী থম্মোই থুদিংদা লুদা তোংদা চঙবা ঙম্লিবনি, নত্রবদি খম্বা থোইবীগী থৌদোকুম্না থৌদোক কয়া কয়া পাক্লবা মীতৈ-লৈবাক অসিদা নিতিগী নত্রগা মরক মরক্তা

* জ্যোতি ৪বা মশিং লমদা শকাব্দ ১৭৭০ গী চেকোংদা য়াওবা লমাই ৯২/৯৯ দগী লৌথোকচবা।

থোক্লি, তৌইগনবসু কনানা শীংথানক্রবগে ? শাবী শানো কয়াগী অহুম্না মুংশিনবগী নিঙমদ্রবা নত্রগা লেপ্না নিঙমদবা থোদোক মনিপুর সনা লৈবা অসিদা তোয়না থোক্লি, তৌইগনবসু মাদু পুন্নমক অহুবু এমী কয়ামা অহুমা পুক্নিং খিঙ্জিন্দুরা ঙম্বগে ? নৌনা মমা মপা কায়নরবী শাবী শানো কয়াগী অনুবগী রা জাব মতিঙ কনানা অহুম্না ময়বেদনা নত্রগা অরাবদা রাখিমবগী শরুক পুনীংবা য়াওবগে ? ঐখোইগী মোইরাংগী নায়ক-নায়িকা অনী অসিদা পুন্নমক তিন্নি অমসুং মাহুগী মথক্তা ওইথোক্লনা থুম্বা অনৌবগী মহীনা পুন্নমক চোংলি। মরম অদুনা মান্নিনা অসুপ য়াম্না মীতে থমোইবু পেহনবা ঙমরনি।

মিংশিংউ— অহানবদা ষণশেনতৌদা উনবা, থমু চিথরবী কপচেংপী থমুগী রা। মহাভারততা লুপ্রা ওইরবী নংলবী কুন্তীনা মচা মচা য়োকপগী রা খনবদা কনাগী থমোইব্রা শোক্তবা ঙমবগে ? রামায়নদা মচা কায়নরবী কৌশল্যাগী রা অদু থাজৈশেংনমক থম্মোই শোকপা য়াদ্রি। তৌইগনবসু ঐখোইগী মোইরাংগী মিংনাইদবী থমসু কপচেংপীগী খিন্ডমদি করম তৌবা ? মমা মপা লৈত্রবী থমচুনি, খুমন নোংয়াইগী মমা শকপী মচেনি। মপুবাগী খনবা নত্তনা অতৈ শজদে। মিংথৌগী মজা ইবেম্মা অমতা পোকপী থাদোইনা মতা শাম্নসি হায়না থোজানবা মতাগী মমিং হুংবদা তাক্তবনা ইতা মিংনাইদবী হায়না কৌখিবা কনা মগুংলাংগীমো ? মপা মপুগী ইকাই খুম্নবসু মাঙহন- নিংদে মপুবা নোংয়াই শাজোববুসু য়েক্তৌংথং য়ামলবা মোইরাং লৈবাক্তা নোংয়াই মপাঙল চাউত্রিবমথৈ মপান থোকহননিংদে। থাজৈশেংবা কুন্তীগী অবস্থা। মামলা মচা য়োকপা লুপ্রা ওইমা লাইরবগী অরাবা পান্দোন্দা তানা অমমা মচেনা মপুরা য়োকপা মমা মপা লৈত্রবী খুজলনা মোইরাং লৈবাক্তা লৈরবী কনা হননা য়েংবদা উত্রবী থোংলেন নোংথোননা ভীষ্ম দ্রোণদগী হেনমা ক'উত্রবী থমুনি মমা মপানা লৈত্রবদা মচে অমনা মপুবাবু য়োকপগী তেংবানবা অসিদা "কনাগুম্বী" মচে অমবু থাগৎকে হায়রবদি থমুদগী কনা হেনবা ফংগনি ? কনানা থমুবু কাব্যদা চীথবী, কপচেংপী চমদবী হায়বগে ? থওউ, থমুগী পিগী মরিক খুদিংনা থম্বগী চরিত্রগী অথোই ২ বা পুন্নমক শাগৎত্রিবনি। ঐখোইনা থমুবু কপনবতা অমসুং কৈ ফাবদা কৈরোইজাম্বনা তাবাংবা য়ানবগীদমক্তা পোকপগুম নীংবা লাল্লি। অমুদোন নোংয়াইবু চাউনবা য়োকপা থম্বগী নহা ওইরিঙৈগী অরাধা মতৌ অমসুং মাহু উত্থন কম্পিনবা থমু শেমবনি অদুনা মতাং অতৈদা থমুবু চীথরগা কৈ কাবা মতুংদা কৈরোইজামবদা হেক থাবদা থমুগী থবক লোইরে মাবু অতৈ মুংওইহনবা খনজগা রননবা শরুক য়াহনবগী কাম্নবা লৈত্রে।

বীনাগীত্রিগী অম্মাম্বা গায়কওয়াশিংনা খাবদা ঐখোইগী খুমন মচা শাজোবা অদুদোন নোংয়াই থম্ববু থরা পংলম্নপা নৃত্যক অমগুমনাগ্রাই মাহু হায়বনি য়ারা লৈনা অমুনাপদু প্রমাণদা তাকই, তৌইগনবসু কনা কনাগুম্বা পারকত্রি থাওবা চুমকনা ইফোং হেক খোংনা মীজাওনা শিংবদি মাওনি হায়হনা কাঙ্গনবা কাইনা কায়বনু য়াওই। অদুদা ঐখোইনা ইতিং থিনা হায়নীংবা অমা লৈ। মহাভারততা

হায়রগা থমব অসি পুকচেল শেংবদা নোম্বুকপদা, ধর্ম্ম তেনবদা হায়রবদি যুধিষ্ঠিরগী গুণ চেনব মীতানি। অদুনা মীরোম্দা মাবু অপণ্ডবা হায়রবনি মাবু পঙবনা মঙগুম নীঙ্‌বদি ঐখোইনা লোয়নবগী হৌজিক্তা ঐখোইনা শিংবা হায়রবদি কণ্ডবা লৌশিংদা শিংববুতা খঙনে। মিপা অসি শিং হায়রবদি ঐখোইনা খঙই মহাক অকনবরা ফজবরা করিগুম্বা পামবে অমা তৌহুনা মশাগী ওইজবা থজবা শীনবা ওন্মি। নংগী চাজনবা থমবা অছু ঐনা পামবে অমা তৌদ্রা নথয়াত্তগী কোখোকহুন চাবা ওমলবদি ঐ অশিংবনি, অদু নত্তদ্রা ঐনা লামবনা চরী ওংলবমকহু মংগী ওকলোইহনোব ঐহুবা মংনা মংই শরুক্তগী থাইরকপা অছু নত্তোম্বা হকলবদি ঐ হৌজিক কালগী অশিংবা নত্তে ঐবু মংনা শোয়দনা থনগনি—অপণ্ডবা সিথা, থরা কবদা হায়রগা সাধু অকিলচিংবা অসিমথে ঐখোইগী থম্বা অসিমু অদুগী মীতানি। পাকজিব ভীমগা পান্দমনবা রাই, অকীবা লৈতবা মীনি কৈবু পুথলাই মাওদনা কাগনি হায়রুনা চঙজিবা মীতানি। থারী লীবা ওজাশিংনা থাবা রাইমব বৃকোদরগী মজাকা থমগা মতা য়ামনা মান্নবা লৈ। হায়নীংবদা পনবা লৈতবা অচুমবদা কিব মাইজবা, তুরশিংবা থাক্কব মাহুগী মতুংইন্না তুরশিংবা থকক ভীমদা লৈয়া গুণ থক্কা য়ামনা লৈ পুন্নমক অসি মজা ইবেক্তগা মেংনবা থুদোং, লমজেন্ন চেনগৈ কাও কাগৈ, কৈ ফাগৈ হিরম থোদোব থুদোংবা ঊবা ফংগনি। মহৈনা তৃতীয় পাণ্ডব কাক্তগীনি। পিত্তং পান্দংপা মচা পেরুকনা চঙমবনি অমুক্তনা নোংবানদা নত্তনা ঐখোই কাওবথমবু উশিংপিক্তি। তৌইগুমমক্তং নোংবানগা পাবা থুদোংদ থবদী অর্জুনগী গুণ ঊহুনা ঐখোইনা শক্তবা ওমদে। অচৌবা মচানা কৌরবকুমনা তমনবগী থুদোং-চারা লৌশিং কংই, কৌইগুমমক্তং হৈবনা অতোনবা মচানা হৈথি, কৌরবনা তমব পাণ্ডবনা হৈবা নোংবাননা তমবা, থমনা হৈবা অসিতনি। অমুমনা নকুলগী ফজবা নানবা অমসুং সহদেবগী তুংগী রাথক পুন্নমক থম্বদা লৈ। অদুনা কৌরবকী মশক ওইরবা নোংবানগা পাবদা মতিক চারিবনি।

মফম অসিদা ঐখোইনা নোংবানগা কৌরবকা পান্দমনরে ইনাক কৈরাক থুনবা মতীক মশুং চাউবা, মশক মতৌ ফজবা, মীচং শংগল য়ামবদা নোংবান অসি থাজেশেংবমক মহাভারতকী কৌরবনি। মহাত্মা মতম পুন্নমক্তা থবগী গুণবু কল্লকথি। অদুনা অয়াম্বা উপায় তৌহুনা মগী—থবগী সাওনরা লাকথি। অদুনা মথেদা কুরুক্ষেত্রগী মশক ওইরবা খোরেন্থাককী লময়াইদা অনীগী ধর্ম্ম যুদ্ধ থোকখি, ওথাকপা লান নত্তে—ধর্ম্ম যুদ্ধ। ভীষ্ম, দ্রোণ, গুরুনন্দন ফেরোইজামব কাওবা চাথবা নত্তে। অমগী মীচঙদা শ্রীগোবিন্দ সারথী—স্বয়ং ইবুধৌ থাংজিং কোরেকলাই। লাপব মনাইবু কুপ্পিগদবগী শেমশাহুনা লৈরি। মোইরাং খোংলেন অথৌবা থোকপা য়াদবশীলা তুমিন্ন লৈবা মপুক্কিংদি চাওবকী শরুক য়ারিবা থমবগী মীচম্বনি অদুনা নোংখোন, ফেরোইজামবা। মবাঙনা খোংলেন লাকিহৌ হৌবা য়ারম্ববদি মহাত্মা খোইরেন্থাককী লান অসে [illegible] তৌইগুমবমুং ধর্ম্মগী চাং য়েংবা মপুং ফারোই। অদুনা নোংখোমবগী রাজনীতি হৌজিক [illegible]

য়াঁদা "হায়রগা" লোলিসি, খোংজেল অথোবা পুরমক য়মশিন্দবা য়াদে। অদুমনা খোইরেন্তাককী লময়াইদা থম নোংখাননী মহাভারত খোকথি কুরুক্ষেত্রগী শান্দি তেজোল শনখিদনি। হখক্তি তেজোল অহুম খোরে—কৌরব, পাণ্ডব অমসুং ধর্ম। লাইয়ামনা মহাভারতকী অান কুইরে য়েংবগুম্বা ভসি খুমন অমসুং মোইরাংগী প্রজা-পুরমক খোইরেন্তাকী লময়াইদা তিরে ভসি থম অমসুং য়োংবাদগা চাং য়েংবা ঙম্মিদ্রনি। মাঙদা চাউরবা, য়াংলবা নীতি—"যথা ধর্ম তথা জয়ঃ।" ধর্মনা জয় ওইবা মহৌশানি। কুরুক্ষেত্রগী লময়াইদা হায়রগা যথা ধর্ম তথা কৃষ্ণঃ। যথা কৃষ্ণঃ তথা জয়। খোইরেন্তাক্তা হায়গা—

ইবুধৌ থাংজীংনা কুবিরে।
লান্দবনা লাকচরে।
নোংয়াইনা মাযপাক্রে॥

নোংবাম চেল্লি চেল্লি, কৈনা থি, থমনা থি কৈনা চেল্লি। মমৈদা পাম্ব কৈরেন থেংনরে—নোংবান তুরে। নোংয়াইনা পাম্ব কৈরেন হাংলে— ধর্মগী চাংয়েংবা লোইরে— ধর্মগী লান অহু শান্তি ওইরে। তাইবংপানবদা "যথা ধর্ম তথা জয়ঃ" হায়রা নীতি উংপা লোইরে। থাইবগী লিরবা নীতি অসিদা কনা ২খুমনা চিংনবা য়াওই, মরমদি হৌজিক্কী মতম অসিদা ধর্মনা মথোঙ লাম তেক্লুনা য়াম্না য়ানা চৈগু পায়রুনা চোংহুনা চোংহুনা চংপা অসিদা চিংনবা য়াবা মরম অচৌবা অমা ওইরে। ঐখোইনা হায়হৌবনা চুম্মি—ধর্মনা জয় ওইবদি মমৈদনি, মতুং কাইথংদনি। অবাবগী পন কয়া লান্দবা তাই, মৈ চাকলব চাকশঙদগী চেনবা তাই, হু চাতুনা পাতাল য়োনা তাউথবা তাই, চহি তরানিথোই বন চংতুনা চহি অমা লোংপা তাই, কুরুক্ষেত্রগী অকনবা লান থেংনব তাই, শামুখোঙদা য়েংপা থাঙগদবনি। পাম্ব কৈরেন কাগদবনি। থিজোল য়াইবগী ইকাইগদবনি অত্তুদা অত্তুদা মমৈদা ধর্মনা জয় ওইরকপনি। দ্বৈপায়ন ব্রত্তগী কারক্তনা গদাপর্বদ দুর্যোধন চুম্মি, লিঙ্কনা মখুল চঙলমদাইদ চুম্মি, দুর্যোধননা হায়রে, "জানামি ধর্ম্ম্য ন চ মে প্রবৃত্তি, জানাম্য ধর্ম্ম্য ন চ মে নিবৃত্তি" খোইরেন্তাকতা নোংবান তুরে "ঐনা শীনজবগী মহৈ ইতাও। ঐনা কংজরে" অসুম্বা মমৈ কাইনখ্রলো ধর্মনা জয় ওইথি' তাইবং পানবা অসিগুম্বি হৌজিক কলি যুগ অসিদদি ধর্মগী মর্যাদা লৈত্রে হায়রবসু কয়মনা হায়গনি? ইশাননা ধর্মগী যাম্নক ভাকপাক ভময়বসু হৌজিক ফাওবা ধর্ম চুংশিবদি লৈরি অমসুং চুংশিত্নুনা ঐখোইনা মাগী মতীক ওকপা মর্যাদা তৌরি অমসুং খাগংদি। য়াসি মহাভারত তাবা ভাবুক অমসুং কবিগী খোগথিবিক উরগা ঐখোইনা উই—পাণ্ডবশিংগী অরাবা তাবা উরগা মিংতা পি পিরে, দুর্যোধন অরাবা তারগা হুংঙাই কদাই ফাওবা? গদাপর্বদ য়েৌরুনা ভীমনা থম লানবা মতম, দুর্যোধননা মরিন চুমলকতুনা মশানা লাল্লে হায়বা য়াজমবশ্রা প্রজা কাশিংনা মাবু ভাকপি অমসুং চুংশিথি। অসুম তৌতুনা বীণাগী ভাবুকশিং

[illegible] ময়াম্বু [illegible] মায়দা অরাবা ভাবগা [illegible] : [illegible] খোজনা য়েংহুনা খোল্লি [illegible] [illegible] [illegible] নোংকাবগী [illegible] [illegible] "[illegible]" [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নোংবানবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] কদি [illegible] [illegible]? [illegible] [illegible] করি [illegible]? [illegible] করিস্থ মথোইগী [illegible] [illegible] লৈতে অমসুং নোংবানসু, মথাইগী লৌরি [illegible] করিস্থ য়েংলবা লৈতে। [illegible] ঐখোইনা পাণ্ডবকী ধর্ম্মনা মায়থিবা উরবা [illegible], দুর্য্যোধনগী অধর্ম্মনা জয় ওইবা উহুনা পুক্নিংদা অরাবা পোকই। অস্থমনা নোংবাক্কী অধর্ম্মনা থিক্তং ফগৎপা উবদা ভাবুকশিংস্থ হেকতা শিগে হায়, চরে ফি শেমই। অহুগা খবগী ধর্ম্মনা মাইথীবা উবদা পুকনিংদা অরাবা পোকই, মিংলুদা প্রেমগী ঈরা হেকতা চেল্লি। মরম অতে করিস্থ নত্তে, মীওইবনা হৌজিক ফাওবা ধর্ম্মবু মুংশিবা হৈরি। অতৈমক ওমত্রবস্থ অধর্ম্মবু তারীবমখৈদি ওঙ্খি। অস্থমনা ধর্ম্মগী জয় অসি কুরুক্ষেত্রগী লানফমদা উৎথিবগুমনা খোইরেম্তাকী লময়াইদস্থ উৎখি। [illegible] [illegible] নীতি থোদোক খজিংদা চপ মায়না তাকই যথা ধর্ম্ম তথা জয়ঃ।

লান হোবগী মরু ওইবা মরমস্থ থাঙ্গেশেংবস্থ মাহুনি। মাহুমক্কী জ্ঞাতিকুটুম্বগী মথক্কা থুংলাই পায়স্থ হায়বা য়াত্রবা ধনঞ্জয়বু সারথী ওইরবা ভগবাননা ইনশিনবনি। ধর্ম্ম [illegible] থম্বু ইব্যখৈ থাংজিংনা খোইরেম্তাক তান্না পুবনি। ধর্ম্ম মঙোং তারক তারথবা কান্দা ভগাবাননা "সম্ভবামি যুগে যুগে" হায়রিবা অহুনি। ঐখোইগী হকচাংগী মশক ওইবা কুরুক্ষেত্র অসিদস্থ ঐখোইগী আত্মারূপী ভগবাননা সারথী ওইরহুনা পঞ্চপাণ্ডবকী মশক ওইবা ইন্দ্রিয় মঙা অসিনা [illegible] য়েক্রবা চাম চামগা লাম্তেংনরি। অচগা ধর্ম্মগা চংনবা লাক্লরি। লান অসি থাঙ্গেশেংনা তৌদবা [illegible]। ঐখোইনা চংনবী য়াহৈনা হায়বা ভারবস্থ থগা অমসুং পাণ্ডবকী তশেংবা আততায় হায়বস্থ থোক্লবনি। মৈতে য়াহৈদা মত্তু-মচা লৌরী যুক্ষম [illegible] হায়বা অহু থোক্লবনি। পাণ্ডবকী লৌরী যুক্ষম শোক্লখি-থবগী মত্তু মচা কা শোকখি। পাণ্ডবকী মিহোবনা চুমবা ইন্দ্রপ্রস্থ, থবগী মজা ইবেমগা থোক্লবী। থবনা মজা ইবেমগী মিহোবা পাণ্ডবনা অপাম্বা থাদোকপা ওক্সবস্থ ইন্দ্রপ্রস্থনা পাণ্ডবশু পাম্মি। থবনা মজা ইবেমনা থবগী থাদোকপা ওক্সবস্থ মজা ইবেমনা থবগু থাদোকপা ওমদে। অহুনা অচুম্বা [illegible] লান তৌবা [illegible]।

হৌজিক খুমরিবা পোৎশাক মজা ইবেমনা অমত্তা পোকপী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। মৈহিরাং থোইবী হায়বা অসি মীতৈগী য়াহৈদা। থোইদোকপদি লাকলৌরিবা মীতৈ সাহিত্যদা চাউরবা [illegible] অমা লৌরিবা অমসুং লৌগদৌরিবা অমনি। ঐখোইনা [illegible] পাওজেলনা [illegible] [illegible] হায়বদি ফজবগী অথোবী রোরে হায়বা থঙনে। তৌইগ্ননুং [illegible] [illegible] [illegible] ফজবগী নঙিনা অতৈনা মজা ইবেমগী লৌথনীংডাই থাজাংদে। "[illegible] থোজবীবু [illegible] কুপীমচাশিংগা পাম্মনবা পাম্মি অহুনা মহাকী স্বাধীন ওইবা পুক্নিংগী [illegible] [illegible]।

তৌইগুম্বসু ঐখোইনা মাঙ্গু অচেৎপা পুক্চেল হায়জনীংই। পুক্চেল লেপ্পা, থমোইচেৎপা মুপী মচাশিংদি মহৌশানা হায়বা ইন্দবগী ফোম লৈবা তাই। অদুবু ওইরবদি ঐখোইনা সাবিত্রী সতীবুসু দোষ অসি পীবা তাই—সত্যবানদা মপুগা বরিগবা মতুংদা সতীনা মপাগী য়াথং হিক্নোক্তবা ওমখিরা? নত্রবসি সাবিত্রীগী সাবিত্রী ওইবা তোকপা তাই। শক্লেনথৌদা, ইনখোনথৌদা, ক্বাং শায়থৌদা মনা ইবেম্মনা থম্বু উৎলে, চাং য়েংলে, মপুক্কিংদা খঙনা বরিখ্রে হৌজিক মপানগী মিহৌনবা অমতনসু মহাক্কী নিংবা অদু থুগাইবা ওমখিদ্রে। মাসি দোষ নত্তে, মুপীমচা ওইবগী অচৌবা গুণনি। অসুম্না মপুক্কিং লেপখ্রবা মতুংদা মপানগী করিগুম্বা য়ৈখায়বা অমত্তু কিবা তৌখিদে। নিপানা মশা কুম্লিং মুপীদগী মপাঙ্গল হেল্লি চুম্লি—তৌইগুম্বসু মুপীনা মপুক্চেল নত্রগা থমোইগী পাঙ্গলদা নিপাদগী কনবা হেল্লি হায়বা অসি ঐখোইনা মোইরাং থোইবীদগী তশেংনা খংবা ঙম্মি। কবো লোইদা থারবা, শেম্বী লোইদা লৈরবা মতমদা মপোকথৌগী অরাবা নংত্রবী নিংথৌগী মজা ইবেম্মা অমতা পোক্পী থাদোইনা কয়া অরাববু অরাবনি হায়না শীংথাদবা ওমখিবগে? মুপী মচা ওইবগী অকনবা থমোইগী পাঙ্গল। মপোকথৌগী মুপাল থোক্করিবী, অনংবা মশক খঙদ্রবী মজা ইবেম্মনা কয়মনা চোংদা কাহ্নুনা শীংজনবা পাত্তা কুমহুনা লোং থোনবা ওমখ্রিবনো?—মুপী মচা ওইবগী অকনবা পুক্চেলগী ফাঙমত্রবা পাঙ্গলা কয়মনা নোংক্লী নিংথৌগী মচানা কুন্দো ত্রেরা থাদা নুংশিংকী মাঙ থানা য়াক্লোই থোবা ওমখ্রিবনো? নত্তে, মুপীমচা ওইবগী নীংবগী চেৎপা অমসুং থমোইগী থোত্তুজেক্রুপা পাঙ্গলগী থৌঈনশিন্না। অসুম্না ঐখোইনা থোইবীদা, সাবিত্রীদা দময়ন্তীদা, চিন্তাদা, সীতাদা দ্রৌপদীদা মশক চপ মান্নরবা থমোইগী হনবা লৈতরা পাঙ্গল অমি উবা ঙাক্কনি। মাদু লৈবনা তেংবানবদা মুপীবু অসি য়োনা থাগৎনবনি। নত্রবদি মুপীনি।

অথাঙকনবা অসি থোইবীগী লমচংকী থোইদোকপা অমনি। অথাংকনবা লৈত্রবদি খাম্বানা চংনীংখোমবীগী অহানবা অথীবা য়াইহে তাবমক্তদা শেম্বী লোই থাবগী অকবয়া ফত্তবগী ফল অমা য়ানা হায়া খঙলমগদবনি। হৈজীং থরাই পুঙৈ, শামুখোঙ য়েংথৌদনা অথাংকনবা অসি লৈরমত্রবদি থম্বা থোইবীগী লীলা অসি অতোপ্পা মওংদা তারম্মগদবনি। তাইবংপানবদা সতীনি হায়তুনা ফাওরিবী মুপী পুরমক অসুম্না অথাংকনবগী গুণ অসি লৈবা ঙাক্কনি। অদুগা মথক্তা হায়খিবা থমোইগী হনবা লৈত্রবা থৌনা অমসুং পাঙ্গলগা লোইননা ঐখোইগী নায়িকা অসিগী ওইথোক্তনা থোংলবা পুক্চেলসু লৈ। খোয়ী কৈথেল মাক্তা অহানবা মিংনাইথৌবী মতাংগা উনবগী বা থন্নুং মনাইনা কোয়হুনা লৈকোন্দা হয়াও কুম্মৈ তৌরিবী নিংথৌগী মচানা মোংলবী, য়াবুবী তোল্লবী [illegible] কোয়হুনা থোজাল য়াইহে মণ্ডা জয়াদং ঙাংবা অতাঙবনি। মীচুংশি হৈবগী অশেংবা খুদমদি মজা ইবেম্মগী লোলোক অয়ায়া উবা ফবই। থোইবীগী অথোইবা লমচং অমদি থৌনা ফবা। অদুম্না খবক অমজাল মুহারী অক্সিবা অমত্তা লৈতে। শাস্ত্রকী লৌশিং প্রত্যুৎপন্নমতি ওইবদুসু,

থোইবীগুম্বা নী স্রাংই । মপানুং চিংখুনগী ভাংনবা, মুনাই শেক্লগা ভাংনবা, নুংঙক খনগা রেননবা থুডিংমক্কা মহাক্কী প্রাইজগী শিংখনী খুদুম উবা ওম্মি— নত্রবদি কুম্বী তেরোখাদা অঙ্কোলাখনী কোলাইখা খেংনরবা, কৈ কি হায়রহনা খোঙ্গা শওম থেংনরবা মতমদা কদাইদুগী খওহৌদ্রবা কুবোরাই হৌরক্কবনো ? তাওজীং হৈরাং চারগা কৃরিগী ফত্তবনো ? য়াঙ্গোই শগোল তোংলগবু কয়ম্না ফগবনো ? পুম্নমক নোংয়াই মঙুংলাংগীনি । করিগী সত্য রাশক উাক্কবা ইতে নোংবান কৌরবনো ? খওলে পুম্নমক পাম্মুবা মঙুংলাংগীনি, নোংয়াই মরানয়াইতা য়েৌনবনি । খম্বা মনাক য়ৌরগদি "য়ানবগী শগোল" হায়রগা মরম অসিমক্কনি । ইস্ত্রি নাকশিনবা ওম্বা অমসু থোইবীগী অথোইবা লমচং অমনি । অরাফম তাঙ্কি কবোক্রোইদা নৈরিঙোদা-অরাববু ঈচং থেৌনা মাইরোং য়াবা ওম্বা, মুংওহিত্তবা পুম্নমক নমশিন্দুনা পাম্মগী চরৈ ফিক্লেং লাংবা মহাকম্বা মুপী খরতনা ওংনি । শন্ত্রিক চনীং থোগীনা, লাকচ খুত্তমচনবা রা ভাংনবদা মাইথোং লাংশিল্লবী থোইবীদা মপা ভূমুরাকপনা হুংবদা খুমকপা পাউখুম তাবদা কনানা ওক্কবা ওমগনি । অসুম্না ইস্ত্রি খুত্তম চনবগী বা থোইবীগুম্না অতাওবী মুপী খরতনা ভাংবা ওহনি । অসিন চিংবা অমুকসু অসিন্নচিংবা খুদ পুম্নমক অসি লৈথংনা মোইরাং থোইবীনা মীচৈগী থমোই খুডিংবু খুত্তম চনবা ওম্বনি । খম্বা থোইবীগী বারী শতানীংবা অয়াবনা ঐথোইগী বা ময়াম অসিদা-নীংবা কারবা য়াই, তৌইওয়সুং খম্বা থোইবীগী বারীকি নীনা য়াওগ্রবদি মঙুণ খহিবোক হনথে । হৌজিক খম্বা থোইবীগী বারী করিনো হায়বা অমসি ।

ঐথোইনা অলঙ্কার শাস্ত্র অতুক খওগ্রবসু অওাং ওইহন্নিভেদগী তয়কই— মহাভারত অমসুং রামায়ন অসি অসি হিন্দুগী মখিং চংলবা মহাকাব্য অমনি । অতুগা কালিদাস, ভারবি অমসুং-মাঘনাচিংবা কবিনা লেংবা কাব্যাসিং অতুসু মহাকাব্যনি হায়না খওনরি । মাসি সংস্কৃত অলঙ্কার শাস্ত্রগী মতুংইন্না ওইবা মহাকাব্যনি । ইংরাজীদা অনী অসিবু "ইপিক" হায়না খংলৈ । ইপিক হায়বা মিংথেল অসিগা মহাকাব্য হায়বা অসিগা করা য়াম্না চানরিগদগে হায়বা ঐথোই খওদে । মিংদা অসিদা মহাকাব্য অনী অসি হরাউরিগদ্রা অতুগা নম্বগা শাওরিগদ্রা অতুগা অয়েংবা বেদব্যাস অমসুং বাল্মীকিগী পুক্রিংদনা করম তৌরিগদগে খওদে । ঐথোইগী পণ্ডিত অয়াম্বসু মহাভারত, রামায়ণবু মহাকাব্য কৌনীংদে ; মবমদি অনী অসিনা মকম অয়াম্বদা অলঙ্কার শাস্ত্রগী নিয়ম থুগায় । অতুগা মহাকাব্য হায়রবদি মাগী মঙুণ খরা হুইদ্রে । মাদি ইতিহাস, পুরাণ, ধর্মশাস্ত্র তনবা মহাকাব্যনি । সমালোচক পুম্নমক্কা বাহে অমতা ওইনা কুমার সম্ভব, কিরাতাজ্জুনীয়, নৈষধ অসিবুসু মহাকাব্যনি হায়না য়ানরি । তৌইওয়সুং ঐথোইনা অলঙ্কার শাস্ত্রগী বা হায়লো লৌরনা হায়নীংই—মথোই অসিগা রামায়ণ মহাভারতকা মহাকাব্য ওইবগী ভাব মাম্নদে নত্রগা কাংলুপ অমতগী মহাকাব্য নত্তে । করি অমুক হায়িগনি অমবু মহাকাব্য হায়রবদি অতোপ্পা অতুবুদি মহাকাব্য হায়নীংদবা য়ৌই । তৌইওয়সুং ঙাছ ওইরবদি মহাভারত রামায়ন অসিদি কাব্য নত্তবা মহাপুরান হায়বদি করম তৌই মসুং নত্তে, অনী অসিদসু মতিক চানা—কাব্যগী ভাক্তা য়াওরি । "বাল্মীকি অমসুং কৃত্তিবাসনী" অতোপ্পা

অপাম্বা অমা লৈরম্বসু খণ্ডদে, তৌইগুম্বসু মথোইনা থঞ্জবনু তৈরমসু মহাকাব্যগী ওজা চংহুনা লৈরে হায়রবসি অরোইবা নী মথোই ওয়— অসুমদি কথাই অসিদি মহাকাব্য হায়রবদি য়াংত্রে মাহৈবনা হেৎখিবা থোদোক থুবা ইবা শৈরেং হায়বা অমসুং ঐথোইগী পেরবা ওয়রে। মাসি তোক্লনা হৌজিক ঐথোইগী খন্বা থোইবী ৱারী অসিদি করিনি হায়সিগে? হৌজিক কাওবা খন্বা থোইবীগী ৱারী ইবা লাইরিক থোকখিবা অদি অয়াম্বা কাব্যগী থাক্তা ওন্থ্রে। মাসি মহাকাব্যগী থাক যৌবা য়াবোইবা? অমেংবা ঐথোইগী খুত্তা লৈরিঙেদা মাসিগী চহী কাব্য মথক্তা ৱারী অমদি হায়গ হায়য়, তৌইগুম্বসু অহৈবা ওজা কনানা মথুরো বীনা য়ম পাঙ্খনা করি আমন হায়গদনো অমত্তাক থক হুদা হেক কাঙ্গনা মশীং মাকওমদ্রবা ভাবুক অমসুং শ্রোতাশিংগী মরক্তা নিংখিবা খুঙ্গংকা লোয়নবা শক্তবা মতমসুদদি মাসি মহাকাব্যগী মক্তাদ ত্রোলেনু য়োনা হেক্লা কাখিংখি। অতোপা শ্রোতানা কত্রবা, ভাবুক মশীংনা নীংবা খুত্রেকদি মাহ মাপ্ল অমগী কাব্যগী থাক অমুদা হেক কুমথরকই। উগী হং য়োং অমগুম্বা থোরী হেক চিংলগা মতোন য়োবা হেক কাখৎলি, থোরী হেক থাবগা হাম্বুগী মফমদা হনথে। মাসিদা কনাগুম্বনা গীতি কাব্য অমম্তাগুম্বা লোই। তৌইগুম্বসুং মাসি গীতিকাব্য ওইবা কারণসু তাল মাল লয় য়াওবা অঙকপা মহাগীতিকাব্যনি। রসকাব্যগী মশাক লৌরুম্বা কান্দনা মহী চেন্নবা, অমুনবা, হৈরাংগুম্বা মী পুন্নবা মিহৈৗনবগী মশক ওইদা পোংশক্লি। মতম অমুদসু মহারস কাব্য ওইনা হেক্লা চোংথোকই। সাম্রবগী এপিক নত্রগা ইপিক ওইনীংবা কান্দা ইপিক পীক্লা হেৎ পেন্ত উপ্প্রনা হেক্লা থোরকই— হোমারগুম্বা মীতে লৈরম্বদি মতম অমুগী রিভোলিউসন নত্রগা সমাজবিপ্লব পুন্নমক হেক্তা উংপা ওম্নগদবনি। অভিজ্ঞান শকুন্তলাগী দুস্মন্ত অমসুং শকুন্তলাগী নুংশিনবগী, খুহোংবগী, কায়নবগী অমসুং অমুক উনবগী চিত্র মহাকবি কালিদাসনা য়েকপা পৃথিবীদা অঙকপা অমনি চুক্তি, তৌইগুম্বসুং কালিদাসনা খন্বা থোইবীগী ৱারী অসি তাবমবদি মহা কবিমকসু শকুন্তলা ইবা লোয়বদা খন্বা থোইবীগী কাব্য অম্রম্বসু কনানা খঙিঙ? ভবভূতিগী উত্তর চরিত সীতাগী বন্দা লৈবগী পুক্লিং হুরবা, করুণ রসনা থল্লবা অঙকপা নাটক তৌইগুম্বসুং ওইথোক্তবা কবি অসিমক মোইরাং খন্বা থোইবীগী ৱা অসি তাবম্বদি মহাক্তা মিংকী ইরা মক্তনা তাইবংপান্দবা অসি খুমহৎলবসু কনানা খঙবা? নৈষধদা নিষদ নিংথৌ নল অমসুং বিদর্ভ নিংথৌ মচানুপীদময়ন্তীগী নুংশিবা, কায়নবা অমসুং অমুক মিন্নন ওইবগী ৱারীগী মশক শ্রীহর্ষনা য়েকপা তাইবংপানবদা অতাওবনি। সংস্কৃত শাস্ত্র হৈরবা পণ্ডিত পুন্নমক্তা কংবা সংস্কৃত মহাকাব্য পুন্নমক্তা মরকতা অথোইবা অমনি হায়না য়ানরবা মহাকাব্যনি। তৌইগুম্বসুং মহাকবি শ্রীহর্ষমক খন্বা থোইবীগী অঙকপা নুংশিনবা, লোন-লৈনবা, কায়নবা তিমবা অমসুং খনবদা তুঙ্খুংলবা অরোইবা নুংশিনবগী ৱা অসি তাবমবদি খন্বা থোইবীগী ৱারী অসি হায়বা য়েক্কীলেম্বসু খঙদে। রত্নাবলীগী সিংহল নিংথৌগী মচানুপী রত্নাবলী, অমসুং বৎসরাজগী নুংশিনবা অমসুং লুহোংবগী ৱারীনা সংস্কৃত নাটক কাব্যগী মরকতা অথোইবা অমনি হায়বা তাবমবদি ঐথোইগী মোইরাংগী খন্বা থোইবীগী

বারী অসিসি কবিগুরুগী মরম অমসুংদ্দু মহাকাব্য থোক্লবী, মুসুংবা, মত্রাই, অমুক্ষ্ত চাংদ্রবী থোক্লকই ইদ্রেকাণ্ড অমসুং বীররসবারকপা কাব্য লেখা তক্লিরে পুরুষক ওইবদা নিংখিবা থোকপা কালক্লি তোইদ্দু গুবন্দুং ঐথোক্লবা হায়রীবদি ঐথোইগী থক্লা থোক্লবী বা অসিক্লা পুম্মক অসিগী মরম থোকই রাখলবা লাবা কংদে।

প্রাকৃতিক দৃশ্যগী বর্ণনা তৌবদা বীনাবাদক শুক্লাসিংগী অমতানি কাব্য লানভা অতাওবনি। ইনজীংথোং লোক্লাকী দৃশ্য বর্ণনা তৌরা, লৌই মুরা অমসুং লোই খাবক মেজিরাং, চীং, কাক্লা শেন্দ্রী লৈবাকী নিংখিবা থাবক্লা কনাগুম্বা কবি অমনা মথোইগী অসি কাওবা কেক্লে হায়রকম খত্তে। প্রবন্ধগী হৌবদা হায়খিবা হুমিদাংবাইগী রান্দুলা হুমিৎনা চীংয়া খাংবদা চীংয়া থেংনোং লাংবদা তময়া কোরি চেনবদা বীনাগী লি-রৌ লি-রৌ হায়বা হুরনা হুৎশিনবকে থোংলিবা পাগ্লক অত্তগী প্রাকৃতিক দৃশ্য অমগী হে শিংকনে ভাবুকশিংনা মুনবা ঙম্মগে? অত্তগী থেক্ল থোক্লবা মতাং চানা লৈয়াংগী দৃশ্য থাবা, চেরাগী মুল থাবা— কবিগী মরক্তদ্দু অতাওবনি। নায়ক নায়িকাগী চরিত্র শেম্বা থোইবী লক্লনং হায়রবা অমসুং ভোংবাংবা চরিত্র পুম্মকী মগুণ থাবা, কবিগী মরক্তদ্দু অরায়বা ওইরোই। নিংথৌ "ঐবু লোইখা লৈমাবা, মোইরাং নিংথৌ পুরিকলাই" মনাউ ইবুঙো যুবরাজ চীংখুবা, মোইরাং থোংলেন অথৌবা, ইপু নোংথোন অশিংবা, মপুনীংলবী মনাই শেম্বু অচানবী পুম্মক চরিত্রগী থিদম লৌনকম ওইনা থোং চপ চানা থম্মি— কবি হায়গনি? লৌরা তেজোরো মাইকক্লবা কাওবা কাবাদা কাম্বরবা মথৌ পুহনি। নীতি শিক্ষাদা মমাঙতৌনদা হায়খ্রবা অদুনি বাংলবা নীতিনি— "যথা ধর্ম তথা জয়ঃ" ধর্ম পুম্মকী মরুনি ঐতিহাসিক তত্ত্ব মমল য়াম্বা অক্নবা খওনিঙাই ওইবা ভাক্তা কাব্যগী শরক পুম্মক্তা থাম্নলা লৈরে। বারীগী মুংঙাইবা মকোক্তগী লোইবা ফাওবা নিঙমদনবগী মশক্তা ওইনা লৈরি। অকল অথৌগী থবক্তা মকম চানা থেংলিন হাস্যরস মকম চানা থাওরি। করুণ রস মকম অয়াম্বদা চানা চানা লেংলি, উপমাদা কালিদাস য়েত্রবদু মথংনি হায়রবা ময়াম্বং অকাম্বানা তক্লনা য়োংহিং অমগুম্না বারী অপুম্বা শম্বরি। মঙ্কা ইথেম্বমা কথো লোই কাম্বে, মাঙৌপানবা থেম্বক্লে। কথোক্লাই হৌক্লনা য়াঙ্গোই তোংবা তারে য়াঙ্গোই— খুরুপ কৈনবনা মাঙগী শম্বাংনা, তুংদ্রা পাইক্লে। নিঙ্কোনবু মৌগী শীংদা চলইক্লে হায়বা থাদোইনা ময়ারোরে—। অকোম্বদা কাক্লা হুংশিং নামিবা য়াঙ্গোই মাঙদা থাম্বনা চেক্লে— নিঙোল ওইবী সতীবু শম্বাং তুংদা হাইগওনা পিতৃসত্য ভাক্লয়, তাউজীং লমন খুম্বক্লে। অদুম্না মকম পুম্মক্তা লাম্বা থংত্রবা কক্লনা বারী অপুম্বা য়োমক্লনা লৈরে। ভাব প্রবন ওইবা বারীনি। "বাক্যং রসাত্মকং কাব্যম" হায়রবা ভারবদি খন্না থোক্তবীগী বারীসি মহাকাব্য ওইবগম লৈতে। মখাবদি 'হৌবোংমা শক্লোম শক্ক' হায়রবা অসিক্লা কাব্য ওইবিক্কগে তাই। শক্লোম হায়রবা অসি রস পুম্বক্লা তিক্লি হোৎনেং "গাই", মক্লি, নৈ; মাক্লরবি মাসি, কাব্যনি হায়রবা অদুনি। মোইগুবক্লং ঐথোইনা ময়খা অদুম্না কাব্যগী বিচার তৌবা ভারবদি থম্না থোক্লবী বারী অসি অতাওবা মহাকাব্য অমনি হায়রবা ওয়ক্লে। বাখল তানা হায়রবদা মাসি খণ্ড কাব্যগী মথক্তনি য়াম্না বাংবা থাক্তা লৈকম থোকই।

"রসবীয়ার্থ প্রতিপাদকঃ শব্দঃ" (রস-গঙ্গাধর) হায়রবা অসিগী মথক্তনি। অর্থাৎ শর্ম লৈম্বখা কাব্যনি। অদুম্না অবাংবা কাব্যগী থাক্তা অমবা মহৌশানা পায়রে

সর্গবন্ধো মহাকাব্যম

ধর্ম্ম অমসুং আচার

মীওইবগী তৌগদবা অসি মরু ওইবদি অনীথোক্লা থায়দোকপা য়াই— মশাদা তৌগদবা, অতোপ্পদা তৌগদবা। তৌগদবা পুন্নমক অসিমক্লা ঐখোয় মী ওইবগী ধর্ম্মনি। ধর্ম্মগী ইতিহাস অসি মরু ফংনা থিল্লবদি উবা ফংগনি— ইশাদা তৌগদবা অসিনা ঐখোয়গী মীওইবগী অহানবাধর্ম্মনি। জীব পুন্নমক মশাগী হুংঙাইবা ফংনবা লাক্লবা ঙাক্কনি। মী ওইরবসু জীব অমনি, মরম অদুনা মশাগী হুংঙাইবা ফংনবা লাক্লবা মীওইবগী তৌদব য়াত্রবা ধর্ম্ম অমনি। অদুদগী ময়াম পুন্না তাবা তারবনিনা মসি মাগী খুরবা ঙমখৈ লাম্হোক্নুনা পাকথোকপা তারক্লে। অনী অসি মহৌশানা ওন্নতেনবনি মরমদি ইশাগী ঙাক্কা য়েংলবদি মীগী কান্নবা থোক্কে মীগী কান্নবা তৌগে হায়রবদি ইশাগী ওইজবা খরা নত্রবসু খরদং কায়বা তাই। তৌইগুদ্বসুং মী মশাগী ৱা তোক্লবদি সমাজদা মীগী মফমদা মাসি অমুক কান্নবা ওইরে। মরম অদুনা মাসি অ২ম মথং মথং ধর্ম্মগী মন্নুংদা চনবা তারক্লে। মমৈদদি মীগী ফনবা তৌবা, ইশাগী ওইজবা থাদোকপা অসিনা ধর্ম্ম অমসুং ইশাগী ওইজবদা থিবা অসিনা অধর্ম্ম ওইরে। অশেংবদি অনী অসি থোং মায়রগা মী ওইবগী ধর্ম্মনি।

মথক্তা হায়খ্রিবা ইশাগী কান্নবা লাক্লবা অমসুং মাত্বগা লোয়ননা মীগীসু কান্নবা য়েংবা হায়বা অসি থাইনগী মীওইবগী সভাদা লেপনদুনা হৌজিক ফাওবা চংনরিবা নিয়মনি। তৌইগুদ্বসুং মাসিমক্তদসু শিংলবা মীওইবনা করিগুম্বা তৌগদবা অমা হোবগুম খন্দুমা থাইনদগী হৌজিক ফাওবা নীঙমদনা লৈরি। মরমদি ঐখোই মীওইবনা তাইবংপানবা অসিগী খরদি খঙই খরনা খঙদে খরনা মাগী লৌশিংগী ঙমখৈ মন্নুংদা চল্লি— খরদি মাত্বগী ৱাংমদা লৈ। মরম অদুনা মহাত্মা কয়া কয়া মাদুগী ঙমখৈ লেপকে হায়দুনা মখুত্তা শিকল পায়দুনা ওইনবা লাক্লখি অমসুং লাক্লরি— অদুবু অৱাৱনি। ঙসি ফাওবা মাদুগী ঙমখৈ লেপ্লা ঙমত্রি অমসুং ঙমগনি হায়বা উত্রি। ঐখোইনা অখঙবা কয়া মরুম্বু সুংশি— কয়ামরুম্বু সুংশিদে— কয়া মরুম অমবুনা য়াদদুনা সুংশি অমসুং কি। খঙদবা অদুদি বিবা নত্তনা পাম্বৈ লৈতে। মরম অদুনা মী ওইবনা মাগী জ্ঞান অমসুং পাঙ্গলগী মখা পোন্দবা শরুক অদুদা তৌফম খঙদদুনা ময়া কাদুনা য়েংই— কিবনা লৈশি লৈথোল্লি, চিরো:ন তৌই অশোনবগী মতৌগুম ৱা চংলি। মাসি নত্তনা তৌফম খঙদে। মাসি কান্নদবনি হায়গে নীংলবসু কি। হায়বসু হায়রম হায়কাত্রিঙৈদা ময়ান্না থাঙ শর্ৎলি। মরম অদুনা মীনা য়ানীংলবসু য়ানীংত্রবসু ধর্ম্ম অতোপ্পা তৌগদবা অমগা পুখোক্নবা য়াত্রে— মাদুবু ঐখোইনা ধর্ম্ম হায়বা মমিং থোনবা য়াত্রা? য়ারবসু য়াত্রবসু ঐখোইনা খঙবা ঙমত্রবা শক্তি অদুবু পেলহন্নবা হোৎনবা তাই, মাদু য়ানবা চৎপা তাই,

---

* জ্যোতি ১বা বর্ষ শজিবু শকাব্দ ১৮৭০ চেফোংদা য়াওবা লমাই ১২০/১২৩ দগী লৌথোবচবা।

মাহুত্তদা ঐখোই মঙ্গলনি হায়বা চেৎনা থাজে। অমুদা মাতুবু ঙক্নয়া পেলহনগদগে হায়বা অসিদা মত থেম্নবা লৈ, মীশিং য়াম্বগী মতিক মত য়াম্মি। অদুগা ঐখোইগী তৌগদবা অহুম অসি লৈ অমস্তুং অহুম অসি ঐখোইগী তৌগদবা ধর্মনি হায়বা অসি ঐখোই য়ানীংঙি—অহুম অসি ঐখোইগী অমুম্না মমিং থোনবা য়াই—জীবধর্ম, সমাজধর্ম অমস্তুং মানবধর্ম। অসোমদা পুরবদি ধর্ম হায়বা অসি—তৌগদবা হায়বা নত্তনা করিস্তু নত্তে— Religion is nothing but duty

বেদগী মতমদদি অহানবা অমস্তুং অহুমশুবা ধর্ম অসিনা কল্লম্মি। মশাগী চাওথৎনবা, মশাগী ফজনবা মশা কম্মনবা, য়েক্লববু লাক্লবা হোৎনবনা মখোইগী মরু ধর্ম ওইরম্মি— মাহুগী—দমক মী ওইবশিংনা শোরারেন্দা বরুণদা, সুমিত্তা থাদা থবানমিচাক্তা, উদা, য়াদা, লিন্দা, খোংবানলাই তিনথাক ফাওবদা লৈশি লৈথোল্লি— বা নোম্মি। মীগীদমক ইশা মাঙবা অসি বেদগী মতমদা মরু ওইবা ধর্ম ওইরমদে— অদুগা সমাজ লৈবা য়ানবা ইশাগী ওইজবা থাদোকপা থরা মশীং কক্না লৈরম্মি হায়বদি চুম্মি— মাহুদি অমরোমদা ইশাগী ফনবনি— নত্রবদি মাহু য়াওদনা অশোনবা মী ওইবনা হিংহুনা পানবা লুই। অদুদগী উপনিষদ অমস্তুং দর্শণ থোরক্লে— মতম অদুদদি ঐখোইগী য়েক্লবগী কিবা ময়েং তারে, হিংনবগী লানফম শোক্লবা অদুক কল্লে— লৈপাক লৈমা অসি মহে মরোং পানীনা শংলে— মতম অদুগী মীশিং অদুনা ঈংনা জ্ঞান চর্চ্চা তৌনবা মতম ফংলে— মরম অদুনা মখোই লাম্বা ফংদ্রিবা ধর্ম অদুগী মরমদা থিবা হৌনখি। তৌইগুম্বস্তুং লমথুংফম লৈত্রবা লদীনি—চৎমখৈ চৎলগা লেপ্লে পুন্সি অসি অরাবগী মশক্নি। সুংঙাইবগীস্তু অরাবনা পৈথ্নেনি। অরাবা কোক্লবা পাম্বৈ হায়নবু লৌশিংতনি। মরুওইবা লৌশিং অদু ফংলগদা অরাবদগী কোকপনি। জগৎ অসে কল্পনানি— ঐনা মরুনি ঐনা শেহনি। তত্ত্বজ্ঞান অসি যংলবদা থংনরে—অরাবা হায়বা অসে পুন্সিগী লোয়নবা অমা ওইরবস্তু ইশানা শেম্বনি—তাইবংপান অসি অরেম্বনি। অসিগী ফলনা মমৈদা মখোইনা মথক্তা পামশিনবা য়াংলে—তেংবানবদা সুংশিবা ময়েং তারে, অরাবা সুংঙাইবা মাম্নবা লাক্লরে! তৌইগুম্বস্তুং মাহুদস্তু পেনবা ঙমদ্রে—মখোইগী লৌশিংগী ঙনখৈগী য়াংমদা লৈথিবা পোৎ অহু মাসিনা থাঙ্গৈশেংনা পেলহনবা ঙমগদ্রা হায়না চিংনবা অদু থোক্লে। মরম অদুনা অনৌ অনৌবা মত অমুক পুথোক্লরে। মতুংদা বৌদ্ধ যুগ। বুদ্ধদেবনা তেংবানবদা অরাবা নত্তনা সুংঙাইবা উথিদে, থবক্তা মরম ওইহুনা জীবনা অরা সুংঙাইবগী চক্রদা কোয়হুনা লৈরে—মরম অদুনা বুদ্ধদেবনা তাক্লে অরাবা কোক্লবগী পাম্বৈ লৈতে—নশাগী ওইজবা থাদোকউ—মীগীদমক থরাইথাবা পাম্মুগস্তু। মাসিনা মীগী অথোইবা ধর্মনি। বৈরাগ্যদগী অমুক কর্ম্ম ধর্ম্ম পোক্লে—ধর্ম্মগী অর্থ কর্ম্ম তারে—য়েক্লবা মরুপ ওইরে, অতোপ্লস্তু মশাগী মী ওইরে। মাসিগী ফলস্তু ভারত্তা লৈহৌদবা নত্তে—তপ্লবা, ইংলবা ঙাকপিহৈবা হিন্দুশিং অসি মাহুগী অরংবা থুদম্লি।

অমুম্না ঐখোইনা উরে— ভারতকী ধর্ম্ম অসি মরুদি বৈরাগ্যনা মরু ওইবা ধর্ম্মনি। অদুম্নদি ওইরগা বৈরাগ্য ধর্ম্মগী ঈচেল অদু মতম মতুংইম্না ঈরোং অনী ফাংখ্রে--- মনানা মুক্তি ফাবা অসি মরু

[illegible] [illegible] অদুগা [illegible] অমসুং [illegible] অসিদি কর্মদগী ফংগদবনি—অসুম্না হৌজিকমকতু তেংদি ঈচেল অনী অসি [illegible] খওয়ে [illegible] প্রয়োগ ওইবা য়াই। তৌইগুমদুং বুদ্ধদেবগী হাংলবা পাণ্ডিতাকশিং অদু ভারতা [illegible] চায়না, ইণ্ডিয়া হায়বদি নত্তে। পৌরনিক যুগকী করবা ঈচেলনা থুমহৎখিরা [illegible] [illegible] মতোম্বা মওং অমা ওইখি। মন্দির শাগৎপা তাখি, বুদ্ধগী মূর্তি শিংখৎখি। ব্রাহ্মণ য়াওদ্রবদি পূজা তৌবা য়াদে, সনা তাঙ্গা য়াওদ্রবদি ঈশ্বরনা লৌদ্রে। অসুম্না অওক অওকপা পাম্নে ময়াম পুথোকপা অমুক অনৌবা মওংগী ব্রাহ্মণ্য ধর্ম লিংখৎতবা য়াখিদে। অমাংদগীদা [illegible] ধর্মগী মরু ওইবা ঈচেন্দি তত্তে হায়ববু অয়াম্বগী মফমদা ধর্ম অসি মপান্দা খওদবা ময়ানগী ওাওহম্নবগী লম্বী ওইনা থোকপা তাখি। অদ্রিবা বৈদিক ধর্ম অমুক পুখৎলকপা, ব্রাহ্মণগী মতিক মগুণ অমুক নৌহৌনা পোক্লবা লাক্লরকপদা মুংকদবা থাওমৈ মৈরীগুম্না মমাংগী ধর্ম অদু অমুক অমুক ওাম্মোক্লম্মিদ্রি হায়ববু মাওখিরা মাগী হান্নগী মতিক মগুণদি অমুক মপুংফানা হুপ্তিরবা ওমদ্রে। মমাংওৈগী মতৌগুম্না ওানবা ওমদ্রে। অনৌ অনৌবা ধর্ম শন্দোকপশিংনা অমহুং, মাগী মাগী ধর্ম অদুবু ময়াম্না পামহম্নবগীদমক অনৌ অনৌবা নিয়ম আচার শেম্বা হৌদ্রে। মমৈদদি ওম্মোক্লপা ফল অমা তাররে—মাহুদি অয়াম্বনা ঈশ্বরগী মরমদা তৌগদবা অদু কাউথোক্লুনা আচার অতুদা ঈশ্বর ফংনবা অথোইবা লমী হায়বদি তথোইবা ধর্মনি নীংনবা হৌখি।

মাসিনা অচৌবা ভারতকী বানী। মণিপুর অসিদসু আহুগী মহৈ চওদবা নংঙ্গক চৎখি। থাইনগী মীতৈশিংনা অমতা ওাইরবা ঈশ্বরবু ঈম্নাংলম্মি থবক থোক্লোক অদুং [illegible] তোঙান তোঙানবা মমিং থোন্দুনা মমিংতা ঈরা চেন্দুনা কৌরম্মি। মথোইগী ভক্তিকাদ অদুবু কনানা য়াম্লি হায়বগে? মনমদা ফাওরবা মশক পান্দম লাকফম খওম্নবা শক্তি অদুবু অতোপ্প অতোপ্পা মমিং থোন্দুনা মথোইনা পূজা তৌখি কমানা তেংবাঙ্গবা মপু, কমানা গুরু কনানা অওপা, কনানা পাখংবা, কনানা সনামহী, কনানা গুরুশিদবা অসিনচিংবা। 'তৌইগুমদুং মমৈদা ফুরতা ধর্ম' ব্রিপ্রন্ন ওইবগা লোয়ন লোয়ননা মণিপুরদসু পৌরানিক ধর্মগী চেহোনবী পুম্নমক অসিদসু চংখি। মমৈদদি মীতৈগী অশেংবা থাজবগী লাইশোল অদু কাউথোক্লুনা ওম্মোক ওম্মোকপা আচারনা তেংবাঙ্গবা মলুগী মোজাল ফংনবা লাক্লবা হৌখি—মাহুদি উদবা শক্তিনি মাহুনা চুম্মি মাম্মিনা লাম্নি হায়কমদ্রি খওদে—তৌইগুমদুং 'ঐখোই' মীওইবনী পান্দম লাফুনা কিম্নিবা নত্রগা হুংশিম্নিবা অহুগী বাখল্লি তোক্লহন। মাহু মাম্নবতা হোৎনরগা মাগী হুংশিবা নত্রগা অকিবা খাদোক্লবদ্রি থাঙ্গশেংনমক মমথাক তাই। ঐখোইগী হৌজিকী ধর্মনি হায়বদা খওনরিবা অসিদ্রি আচার কয়ামরুম নত্তনা অতৈ উদরে অরাবনি। আচার নত্রগা ধর্মগী থুলম কয়ামরুম ধর্ম অদু চেৎনবা, নত্রগা পাম্নবা নত্রগা ধর্ম অতৈদা মিহৌরাকবা অমুমক ঈমংলুরগা [illegible] মবতসু হান্নদা য়াই। তৌইগুমদুং অদু হায় হায়তুনা ধর্মগী অশুইনা [illegible] ওইবা [illegible] অমুদি পুম্নমাক্লারদোক্লনা, মপাঙ্গলতা উৎতনা তোকপদি থাঙ্গশেংনমক বাফম

থোকই অরাবনি। ঐখোই, কনানা লাইবক থুংনা নামগী ছাপা, খবাক পাম্বোম ফুংনা চন্দন তিলক ওক্না তুলসী মালা, য়েত্তা নামগী মালা—মশুন্না বৈষ্ণব অমা ওইবগী খুদম পুন্নমক উৎলগা অহাংবা ওইগী খুৎ অহুনা মীগী মপোৎ লেন্না লোবা হুরানবা, ফুরারদা শেন মাবা—ওখোক ওহোকপা কনবা কু—কর্ম ওাক্তা তৌগ্নিবা অরাবনি। ময়াম অসে ধর্ম মরীদা কান্নবা লৈবা য়াই। মপান্দা ধর্মগী খুদম ময়াম উৎলিবা অসিগা মখুং পুকচেন শেংবগা মায়নরবদি ঐখোই নহান্না পথিন্না ধর্ম চেনবা জাং অমনি খণ্ডনরগনগাদবনি। তৌইগুমখুং চৌন্দা হয়ে কৃষ্ণ, পুক্তা মরক অসিনদি কদাইমখে কাময়মগদগে ঐখোইগী খোন্নবা বাখল অসিনা লাপা ফংদে। মপান্দা শেংবহু কাইয়ে থোইদোকপদি মখুংদা শেংবনা অমুক হেন্না কান্নকম থোকই, শাস্ত্রদা কৰি হায়রি—

ওঁ অপবিত্র পবিত্র বা সর্ব্বাবস্থাং গতোঽপি বা।

যঃ স্মরেৎ পুণ্ডরীকাক্ষং স বাহ্যাভ্যন্তরঃ শুচিঃ॥

মাসিগী অর্থ—বিষ্ণু বিষ্ণু শোন্দুনা হুরান্নু হায়বা নত্তে, হুরানবা তোকউ নপুক্তা ফত্তবা খনগমু, ভগবানগী নাম শোন্নু অশেংবা হায়বা অদু অদুনি। ধর্ম হায়বা অদু অদুনি॥

ঐখোইগী বাহে অসিদা আচারবান ওইবা হিন্দু পুন্নমক্তা শাওনীংবা য়াই। তৌইগুমখুং ঐখোইগী মতপু আচার পুন্নমক ওাক্নুনা চৎপা কৈ, মাদুনা মাগী মাগী ধর্ম কান্নবা লৈ হায়বমু ঐখোই চেৎনা থাজে। তৌইগুমখুং ঐখোইনা হায়বদি আচার পুন্নমক অসিগা লোয়ননা ধর্মগী মরু ওইবা হিরম অদু কাউথোকপা চুমদে হায়বনি। আচার, জাতি অমসুং ধর্মগী হৌনবী ময়াম অসি থাজিশেংবদি খুদম—বালা-মার্কন্তি হায়বা য়াই। পুক্নিংগী অশেংবা থমে ইগী থাজবা পোক্নবগী মরমদা আচারনা। 'কান্নবা য়াই'। তৌইগুমখুং মানা ধর্ম হায়বা অহুমক্তি খনবদি ঐখোই য়ানিংদে। মাসিদা ঐখোইনা কনাগুম্বা কবি অমনা ইবা নীঙশিংগুকই—তীর্থ চৎকনি নত্রগা চৎলুরে হায়তুনা চোজ য়েন্থনা শম্বোকপগা, তীর্থ চৎপা ওমত্রে হায়তুনা কমুংদা কপতুনা লৈবগা অনী অসি কদাইনা অচৌবা ধর্মনো?" মরু ওইবদি ঈশ্বরগী বাখল হায়বা অসিদি মখুংগীমু মহুংদা লোৎতুনা লৈবা ভাবনি। মপান্দা উৎপগী কন্নিমু কান্নবা লৈতে হায়বা অসিদি ঐখোইনা থাজদবা ওমদে। ঐখোইগী প্রবন্ধ অসি ধর্মগী মরমগী প্রবন্ধ নত্তে অশেংবা সামাজিক প্রবন্ধনি। মাসিদা ঐখোইনা ধর্ম থোইদোকপা অমগী বা নৈনবা পামদে অমসুং নৈনবগী মত্তিকচাবা জ্ঞান অমসুং ইতিক লৈতে। ধর্মগী হিরম অদুদি কুপ্পনগী কুপ্পবনি ঐখোইগী চাউরাবী জ্ঞান অমসুং বাহৈনা মাদু খঙবা ওম্ফম লৈতে। "ধর্মস্য তত্ত্বং নিহিতং গুহায়াম্।"

বেদঃ স্মৃতিং সদাচারঃ স্বস্য চ প্রিয়মাত্মনঃ

এতচ্চতুর্বিধং প্রাহুঃ সাক্ষাদ্ধর্মস্য লক্ষণম্॥

উক্তি অসিমু ঐখোই খরায় য়াওনা য়ানীংই। বেদগী বা পুন্নমক অফবা ওাক্নদি, স্মৃতিগী বা ওাক্নুনা চৎপদা অফবা নত্তনা কত্তবা য়াওদে, অফবা আচার চৎপদা ঐখোইগী অকনবনি,

আত্মানা পেম্বা [illegible] [illegible] মবক, [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] হায়রুবদি পুরুষকী অমতা ওইবা মরুদি ঈশ্বরনি— তেংবানবা শেংবা মপু অহৈতনি হায়জবনি। লৌ উদগী লৌউবা ধর্ম্মনি, ঈশ্বর অহুবু, কাউরবরি মলোনবগী মরোনবা ধর্ম্মনি ভগবান অহুবু মপুরোইংদা নিংশিংজনা থবা ওয়রদি। মুশীগী মপুরোইবগী সেবানা ধর্ম্মনি— মপুরোইবা. অহুবু জগৎকী মপুমক্তি হায়না থবরদি।. মনা মশাগী সেবা তৌবনা মচাগী ধর্ম্মনি— মপা অদবু জগৎকী মপা অমসুং মমাবু প্রকৃতিমক্তি খনবা ওয়রদি মহৈ তম্বিবা মীশিংগী মহৈ তম্বনা ধর্ম্মনি, মখোইনা মপুক্তিংদা তেংবানবা শেংবা মপুবু থাজরবদি। অসিনচিংবা হায়বগী প্রমাণ লিশিং লিশিং লৈরি— পুরুষক শাস্ত্রগী মা ওাক্তনি। পুরুষকী মথক্তা শন্না হায়রবদা থবক তৌরবা পুরুষক মাগী মাগী প্রকৃতিনা মাবা. থবক. তৌবনা মাগী ধর্ম্মনি— মপুক্তিংদা তাইবংপানবা মপু, জগৎকী মপা ঈশ্বরবু কাউদবা ওয়রবদি। করুবা অজামিল কৌবা ব্রাহ্মণ অদবু মচা নারায়ণ কৌরুবদগী পাপ পুরুমক কোকতুনা লানখি হায়বগী অর্থবু জগৎকী মপা অদগী মতিক অচৌবা উৎপতনি। ঐগী ইচা অদ, কৃষ্ণ, ভগবান, , প্রভু, গোড, আল্লা কৌদনা শগুণ তৌবা চৎলু, পাপ লৈরোই হায়বগী অর্থ নত্তে; পুরুষকী. মথক্তা ঈশ্বরবু নীংবনা মরুনি। মাসি ঐখোই (মাসি ঐখোই) মীওইবগী. মানব ধর্ম্মনি। মীগী মকবা তৌবা কনাগী মাঙনবা থক্লুবদা মাদগা লোয়ননা তেংবানবা মপু ভগবানবু কাউদবা অসিনা জাতি পুরুষকী অমতা ওইবা ধর্ম্মনি, "পুন্যঞ্চ পরোপকারে পাপঞ্চ পরপীড়নে।" আচারনা তোঙান তোঙানবা ধর্ম্মগী চেংমবা তেংবাংবনি। শন্না হায়রবদা— আচারতনা ধর্ম্ম নত্তে, মাহুদি ধর্ম্ম অহুদা পুক্নীং চেংশিনহনবদা তেংবাংবতনি। মপান্দা উৎলগতা ধর্ম্ম চেনবা হায়নীংদে, পুক্নিংগী অশেংবনা মরুনি। মপুক্তি ফত্তনা মপান্দা ধর্ম্ম চেনবগী মতৌ উৎপদি থাঙ্গৈশেংবা নম্মথাক্তি। ঈশ্বরবু থাজগা অমসুং মহাকপু নীংবনা মীওইবগী তৌগদবগী মরক্তা অখোইবা অমনি।

স্বাধীন মণিপুরদা মণিপুরী সাহিত্য*

হৈবৈক মণিপুরগী ঐখোইগী মীওই কাংবু অনীখোকপা তাই "মণিপুরী সাহিত্য থিরোবা দল হায়বা অমা; অমসুং "মণিপুর সাহিত্য প্রেমিক দল অমা"। 'কাংবু' অনী অসিদা অত্তানবগী কাংবুনা মীশিং য়াম্না হায়না য়াগনি। মখোইদি মণিপুরী সাহিত্যবু অসুপকী মতীক তাথী মাহুদি ময়োইনা নাশিবু জাতীয় সাহিত্যনি হায়না খল্লুমদবা ফাওবা ইকাই। মখোইনা মীতৈ লোনবু থাম্লগা কোংলোকপা ওমজ্রবা আক্লবা লোমি হায়না খল্লি। মখোইনা হিরম পুম্নমক মীরৈকাকী লোনাশিংগী করি অমুক হায়গনি? ইংরাজী পাম্বা কাংবুনা থাখল খনবগী চাবগী শেংলগা, নোকপগী কাম্ Through the medium of English ওইবনা চুম্মি হায়রি। বাঙ্গালা অমসুং হিন্দি পাম্বা কাংবুনগী মাগী মাহুনা কৈ হায়রি? মণিপুরী সাহিত্য পাম্বা কাংবুদি সেরদা কাঞ্চামবগী কাম্নি। ঐখোইনা স্বাধীন ওইবা হায়রুনা হয়াওরি তৌইগুম্বসুং থাখলগী মনিংমথা তঝদি কনাগী পাম্লম্রি অণ্ডকপাদি। ঐখোইনা স্বাধীন ওইরে হায়রুনা হয়াওরি তৌইগুম্বসুং থাখলগী মনিংমথা তঝদি পাম্লম্রি অণ্ডকপনি। ঐখোইনা মীগী থা কারদনা থীবা ওন্থি, তৌইগুম্বসুং ইশানা লেংবদি ওমত্রি জ্ঞানগী রাজ্যদা মীথা পান্দুনা লৈরিবা অদিদি থোক্তদোকনা অরাবগী মশক্রি।

চহি য়াথেরোম মতুরক্রে ঐখোইনা ঐখোইগী বীণা পায়বী, থম্বাল নত্রগা কাণ্ডানেংপী মীতৈ সরস্বতী অহুবু ডিসমিস তৌহুনা বিলাতী সরস্বতীবু জ্ঞানগী লুচিংবী হাপখিবা। ইজিচেয়ারদা ফিম্নী, বুট তোংবী, পাউডার থাবী বিলাতী সরস্বতীনা হেক লাকপগা মশাগা মকোক্তা লেংলবদা মকোক্না চাউবা, থাখলগা মচীনগা চাংদম্নবদা মটিম্না ওঙ্গা খাওজবা মচা ওাক্তা পোক্লরে। লৈবাক থুংনা পুম্নাং লাওনরে— থল্লুরে ভারত অসি ওাওথংপদা গোউরীশঙ্কর য়োম্নদমাক্রে, বেকনগী Essay হৈরে, মিলটনগী Arespaditica ওক্লে, এরিষ্টটনগী সমাজনীতি থওলে, হব্‌সগী রাজনীতি কাদ্লরং paley গী evidence দা Reid কী মনস্তত্ত্ব নৈনরে করি অমুক হায়গনি বার্কগী মতৌ তম্নহুনা বক্তৃতা পীবা তম্লে, লোইরে। তৌইগুম্বসুং মখোইনা, মখোই মখোইনা তাম্লুবা জ্ঞান হাপ্লিনথি হায়বা উতোং অহু চহি য়াথেমুক অসিদগী মনুংতদা কাইহনা য়েংলুবদদি অমতা য়াওরমদ্রে, কদাইদগী থুম্ল্‌বা, কবুই কৈওইবগী উতোং ওইরম্রে "মনীও-মমাও হোত্রোং মতু লৈমা কাক্নোক"। মাহুগী থমশ্রো — ঐখোইনা য়ুমলোম্নবা বাঙ্গালীশিংগী বৈষ্ণব সাহিত্য চর্চা। তৌরকপা চহী চহুম লোম থুরে মাহুনা মশা য়ুশাগী নত্তনা জাতিগী অমসুং বাঙ্গালীগী করি কাম্নবা তৌবা ওম্নবগে হায়বা খনবদা কাম্নবগী শরুক্লা য়ামদে; ভৈগচন্দ্র অমসুং মমাংগী ইনিংথৌগী হাত্তক্তা মীতৈগী থাখলগী লমদা স্বাধীন ওইরম্বা অহু বাঙ্গালা চর্চাদগী মাহুগী চাং য়াম্না হুন্দহল্লি হায়বসি য়াই। অহুগা মাক্নবা নত্তগা মাম্নবা য়াথক্ম মরম য়ামদবা থাখল অমসুং মতনা মীবু তোওান তাহল্লি হান্দবা অসি অচুম্বনি।

* "মুক্তি" ১বা মশীং এপ্রিল ১৯৪৯ গী চেকোংদা য়াওবা লমাই ১৪/১৫ দগী লৌখোকচবা।

যুগকী অথোইবা কবি রবীন্দ্রনাথনা সাহিত্যগী ব্যাখ্যা তৌবদা সাহিত্যত্যানি হায়। মহাকমকী মতত্তা জাতীয় সাহিত্যনা জাতি অমবু পুন্নবগী অথোইবা পাম্মনি হায়বা য়াই। কবি অমগী য়াহে মতক অমনা জাতি অমবু করম্না মথক মথা ওনবা ওয়গে হায়বহু ইতিহাসনা সাক্সিনি।

মাসি য়োরকপদা কনাগুম্বনা য়েংপা য়াই মান্নবা লোন্না হৌজিক্কী পাম্নরিবা "নেশন" হায়বা অহু তম্বদা জুগোৎ চায়। মাহু অচুম্বনি। নেশন অমা ওইনবগী মচাক খরা লৈ— মহৌশাগী, লৈফম, লোল, ধর্ম্ম, জাতীয় স্বার্থ। মাসিগী শরুক্কা য়াম্বিবমথৈ জাতি অহু "নেশন" ওইবদা জুগোৎ চায়। ইউরোপকী রা মুন্না খণ্ডবমথৈ মাসি থাজবা য়াই— British Nation হায়সি— বৃটিশ দ্বীপপুঞ্জদা লৈবা মীশিংগী লৈফম্না অমা তোপ্পবা য়াদবা, ধর্ম্ম মান্নবা, লোন হাইরপ মান্নবা, পুন্নমক্কী মথক্কা গথোইগী স্বার্থ মান্নবনা ওসি British নেশন হায়হুনা ফাওরি। তৌইগুম্বসুং স্কট অমসুং ওয়েলসগী মীদি ইংরেজশিংগা লোল মান্নদে, জাতি তিন্নদে, অহুবু মথোই স্বার্থ, লৈফম, ধর্ম্মনা মথোইবু British Nation গী মনুংদা চিংশিল্লি। অসুম্না ইটালী অমসুং ফ্রান্সদা লৈবা মীশিংনা নেশন ওইবদা থুজিনখি। জার্ম্মাননা লৈফমগী ওমথৈ লেপফম খণ্ডবনা অমসুং রুষশিংনা রাজশক্তি অমসুং প্রজাশক্তি তিন্নদবনা Nation লাম্বদা থীন্দখি। ভারতবর্ষগুম্বা পাক্চাউরবা লৈবাক অসিদদি লোনগী খেন্নবদি লৈবা য়াররোইদবনি। অহুনা ঐখোইগী সাধারণ স্বার্থ অমসুং লৈফম্না ঐখোইগী Nation শব্দদা মক ওইনা তেংবাংগদবনি। হিন্দিনা রাষ্ট্রভাষা ওইগনি হায়বা অচুম্বনি; তৌইগুম্বসুং অহু হায়দনসু ঐখোইগী স্বার্থ (হায়বদি ভারতকীসু) যেংদবা য়াদে, নত্রবদি ভারতকীসু অফবা নত্তে।

মতুংদা হৌজিক কালগী ওাংনরিবা Mass education গী বা অমা অনীদং হায়হুনা ঐগী প্রবন্ধ অসি উপসংহার তৌজবা তায মরমদি ঐগী বর্ত্তনদি য়াহে ১৫০০ তর্গীনি শাংফম থোকপা প্রবন্ধনি হায়হুনা ইথরবদি অয়াম্বা তনবা য়াই। ঐখোইগী mass education গীদমক মণিপুরী সাহিত্য চাওখৎতবা য়াদে; নত্রবদি ঐখোই লাখ ৫/৬ অসিগী মনুংদসু কনাগুম্বা নিউটন, রবীন্দ্র পোকলোই হায়বা কনানা হায়বা ওমগনি? মথোইবু স্বাধীন চিন্তা তৌনবা অমসুং স্বাধীন ওইনা নপুক্কী রা ফোংদোক্লবা খুদোং চাবা পীত্রবদি ভারতকী মচেৎ অমদি ওসি ফাওবা স্বাধীন ওইগ্রি হায়বা তাই। মী পুন্নমক্কী মতীক মগুণ অসি মান্নবা নত্তে। হোংনববদা ওমদবা লৈতে হায়বদি খাঙ্গেশেংবা থৌগৎপগী য়াহেনি। হোৎন হোৎননা ওমদবা কয়া লৈরি। মীরোল ওনবদা, মাহু উৎপদা, মাহু নৈনবদা মাদনা চাং য়েংবদা উৎপদা মী কয়া শোয়রোই হায়বা ওমদে: মরম অদনা মণিপুরগী— ভারতকী কনবগীদমক মণিপুরী সাহিত্যগী মফম হুম্বদা নত্তে নত্রবদি খরা লৈজরিবা অসি ইম্ফাল চুরেন্দা থাদখিদনা চীংসুংহুৎ য়োহনখ্রসি নত্রগা মমাংগুম্না অমুক্কা লোইনা মৈ থাদোক্লসি মুৎপা মাত্রবা নত্রগা য়াফম খোক্তব্রবা জাতি অসিমা মগুন ফোংদোকফম পীদনা পুল্লী চুগ্না উয়েপ ওইদনা লেপ্পি, বেরা লৈতে।

———

কবি অমস্তুং কাব্য*

১

কনাবু ঐখোইনা কবি কৌগনগে ? ঐখোই অয়াম্বনা করিগুম্বদা নত্রবস্থ করিগুম্বদা পুক্সিংদা থংবা ওমদবা আশা অমস্তুং মুংঙাইবা অমা ফাওহনা খোর্জে খুত্তা পাইখত্তনা ইবা হৌগংলি। তৌইগুম্বস্তুং মাহনা ঐখোইবু কয়া রাংবা কবিগী থাক্তা থাঙ্গংলবগে অমস্তুং ঐথোয়না ইরিবা অত্থু করম্বা মওংদা তাম্নবগে হায়বদি ঐখোই ইশামক্তা থিফম থংদে। তাবদা মেংলবা মুংশিবা সুর থরা ছন্দচানা হাপতোক হাপচিন তৌহনা খোঙ্গেস্তগী পাম্বৈনা অতৈবু শুক্কংনবা লাক্লবা অসি ঐথোয়না ওম্মি অমস্তুং তৌনরিবনি। তৌইগুম্বস্তুং মাহনা ঐখোই অসি থাঙ্গৈশেংবা কবি অমা ওইরে হায়বা য়ারগদ্রা ? অসিগুম্বা কাব্য অমস্তুং অসিগুম্বা কবিশিং অত্থুগী মফম অমস্তুং পাঙ্গলগী অরোইবা ওমখৈদি নাকোং মখৈতনি হায়বা লাক্লোই। চুমই, মখোইগী শৈরেং তাল চানা শক্তি অমস্তুং শোল্লি — মীওইবগী থরাই অমস্তুং হকচাংস্থ মাতুগা লোয়না লোয়ননা হরাওনা চোংলি অমস্তুং পুক্সিং মুঙাইনা জগোই শারি মরমদি নাকোংগী চাম্নবা বীনাগী সুর অত্থুনা থমোইগী অহানবা থোঙ্গাল হেক য়োরকপদা মীওইবগী থরাইবু পেলহনবা ওমদে, রারক্তী তয়াল উবদা নংগী নমিৎ পেনবা য়াই তৌইগুম্বস্তুং নংনা অপাম্বগা লোয়ননা, মাবু হেক্লবা লাকনরুবরা ? নখোইগী কাব্যগী করিগুম্বা মগুণ লৈববদি অসিমখৈতনি। মখোই অত্থু মনম য়াওদবা লৈরাংগুম্বা কনাগী পুক্সিংবু মতম কুইনা শুক্কংনা থম্বা ওমদে। মরম অদুনা কাব্যগী অশেংবা রস থওবা মীনা কাব্যগী চাং য়েংবদা মাসিগী মথক্তা থরদং রাংনা কাথংলি; মখোইনা ছন্দ চাবা রাহৈ থরদং তারগা পেন্‌বা ওমদে থুম্নবা রাহৈ মওা তরাদং তারগস্থ শুক্কংতে। নাকোংগী লয়ীদা চংলকইবা খোঙ্গোল অদুনা মমাংদা হাম্ন-খিবগুমনা নংবু মতম থরা ওাওহনবা য়াই। তৌইগুম্বস্তুং মুংশিবা সুর অদুনা অহানবা নাকোংদা হেক পানবা মতমদা মখোইনা খন্দুনা য়েংই ·· খোঙ্গেস অদু থমোই য়ৌনা চওবা ওম্বরা নত্রগা ওমদ্রা ? রাহৈ অদুনা থমোইগী অথুপ্পা মফমদা করিগুম্বা মুংঙাইহম্নবগী অনৌবা ঈথক অমা হৌহনবা ওমদ্রবা, মাদুনা থমোইগী লাইয়ুমদা অনৌবা নিংথিবগী করিগুম্বা শুক্কংননবগী মশক ওইরবা মমি অমা তাহনবা ওমদ্রবা, মাগী মুংশিবা ধ্বনি অদুনা থমোইগী তারদা য়ৈবদা অনৌবা সুরগী হায়রুম থোক্তবা খোম্থোক অমা থোক্তবদি মখোইনা মাহুবু কাব্যনি হায়না লৌনিংদে।

কবি শব্দগী অর্থ অসি হৌজিক ফাওবদা পীমরিবা অসিগী মরক্তা কয়থনা অচুম্বনো, ঐখোই থওদে। কনানা হায়, তাইবংপানববু ফজহল্লিবা, ফজনা উরিবা অমস্তুং উৎলিবা অমদি কনানা

---

* "জ্যোতিঃ ৭শুবা মশীং জৈষ্ঠ, ১৮৭১, লমাই ১৭০/১৭২ দগী লৌথোকচবা।

উহল্লিবা। মহাক অদু কবিনি। মাশিংনি হিন্দুরবদা হায়রবদি কালিদাস হায়বা মহাক অসি মহাকবিনি। অদুকা কবিশিং কালিদাসলগা থেংনবা অনি কয়দনো? ঐখোইনা হায়নীংই— মহাকী নিংথিবা শেক্সপীয়র হায়রদা মহাক্না তেংবানবনু নিংথিনবা উথি, অমসুং ঐখোইদা নিংথিকনা উংথি। হিরম অমিনদি কালিদাসনা পৃথ্বী মপুন্না তাইবংপানবগী ফজবা পুরমক পুনশিনলগা কাম তৌবগে হায়বা য়েংনবগীদমক কালিদাসকী উমা শেংখি; কালিদাসসু অহুম্না সংসারগী মপাল নাইন্না নিংথিনগী পুক্কলগী ফজবগী মশক পুরমক পুনশিন্দুনা মীওইবগী মাঙদা থিনবিরম্মে। তৌইগুম্বসুং মকম অসিদা ঐখোইনা হায়রহৌরিবা য়াদবা অমা লৈরে, মাদুদি— ফজবা হায়বা অসি অয়াম্বদি অমুক অপাম্বগী চাং মতুং ইন্না। তাইবংপানবা অসিদি থাজৈশেংনমক মচু য়াওদনা অরুংবা নিংথৌ অমগুম্বনি তৌইগুম্বসুং জবাকুসুমনা মাবু ওাংহনবা ওয়াই, অপরাজিতানা মাবু শংবানহল্লি। অসুম তৌদুনা মপানগী জগৎ অসে মহৌশানা মচু লৈতে মশক লৈতে, অথীবা লৈতে ফজবা লৈতে। অপাম্বা মী অদুনা মাগী অপাম্বা মতুং ইন্না মচু নাইহল্লি, ফজহল্লি থীহল্লী। অসিগুম্বা অপাম্বা অসিদি মী পুরমকতা মাননা লৈতে। অমসুং লৈরবসু মাগী চাং থেম্মে অদুগা অপাম্বা ইরৈ লৈতবদি তাইবংপানবদা লৈরিগদ্রা। ধর্মশাস্ত্র অমসুং দর্শনশাস্ত্রদি মাদুগী য়া তাই, মাদুগুম্বা মী লৈরমলবদি মাগী মমিংতদি ফজবা নত্রগা অথিবা লৈরমলবসু য়াই। তৌইগুম্বসুং ঐখোইনা হায়রিবা অসিদি অদুগুম্বা মীতাগী য়া নংতে। ঐখোইদি মচুগী আলোক অমা হাপত্তুনা পাকনা চাউরবা তাইবং অসি কোয়েং য়েংতুনা লৈরিবনি, ঐখোই ঐখোইনা হাপলিবা আলোক অদুগী মতুং ইননা তেংবানবা অসি কনানা শংনা উই, কনানা ওাংনা উই, কনানা থীনা উই কনানা ফজনা উই। মথকতা হায়রে অপামবসু অমুক চাং য়াম্মদে— কনানা ফজনা উই, কনানা হেননা ফজনা উই, কনানা খাইদগী হেননা ফজনা উই অসিনা চিংবা। মরম অদুনা অপামবা মীনা মাগী অপামবগী মতুং ইন্না তেংবানগী ফজবা নত্রগা অথীবা অসি শেমবনি। ঐখোইনা উই— খোইমু লাবা খাংজেংবনা লৈরাং লৈরাং খুদিংদা লৈহী থিত্তুনা কোয় তৌইগুম্বসুং জীবগী তত্ত, থংবা কনাগুম্বনা অমুক হায়রি খোইমুরাবা অদুমকনা লৈরাংদা থুম্বা লৈহী য়েল্লমবনি। অসুম তৌদুনা খোইমুগী মশক ওইরবা অপাম্বা মীতনা তেংবানবদা নিংথিবা হায়বা অসি শেমবনি। কালিদাস হায়বা মহাক অসি অসিগুম্বা মীতা অমনি— মহাককুমনা পামহৈবা মী তাইবং পানবদা ৰয়া পোক্লিংদগে, ঐখোই থীকম খঙদে।

ঐখোইসু মহাককুমনা নিতিগী তাইবংপানবা অসি উরে— তৌইগুম্বসুং কদায়? —ঐখোইনদি ফজবা অমত্তসু উরে। ঐখোইসু অশোক পামবী উরি— তৌইগুম্বসুং কদায়, মহাকনা মপাল খিদোরকনবগীদমক, অজবী কনাগী শগুরগী খোঙ্গেল তিল্লবা মখোংনা থেংলবা ওাইরি হায়বদি? অওইবদি, তাইবং পানবদা ফজে হায়না খঙনদরবা, মুংশিবা মনম চেল্লি হায়দুনা কনানাসু মিহৌবিত্রবা অশোকনা মপাল খিদোককরবগী ফজবা মওং অদো কালিদাসনা ওাইবনি। হিমাদ্রিগী শোংলনা

শাপোকনা-ককথারবা 'ৱাদা ভপনা ভপাক হুনা শাখিবা খুংশিংনা হুকা হুংশিনবা মুক্তী খোজেনবগী কনসি পুর্কনিং ভূবংশা ওইবগে।' "ঐখোইগী মুপশিন্নবা ৱাকথা খোজকি 'য়াননা লিংবা অহ মহাক্তনা মেৎপা। অপুনবা খোজেন্নি হায়না শীংবা ওৎবনি।" অদোমগী মতমদা উমু পেৎলবী কনহল্লী শিংনা লৈশী কৈতোমনদা ঙাশিং চাইবা ঐখোইহাকি ফজবদা য়াই, ফজবীগী লাইথোং মনাক অহুম অশোঝা থম্মনমক্তি থগুনা খোইমুনা লৈহী পাম্বদগী পুথলনবদা মহাক্তী থপৌ হেরা মায়বা পামরোমনা হায়রো কয়াগী মতীক ফজবগে হায়বা ঐখোইহাকি ঊদবা য়াই।" তৌইগুবসুং আহুলী হায়কম খোক্তনা নিংথিনা কালিদাসতি ঊথি। শরৎকী মহী চেকপা থাকলনা তামথোকলবা অশেংবা লীরাই-গুবা তশ্নাকপা লাইয়েংশিংনা মুক্তা চাইরমুনা শারবদা করি ফজরিগদগে? ঐখোইদি খঙদে, তৌইগুবসুং মাহু কালিদাসনা থগুথি। অমা অপোকপী পলেম লৈবাক লৈমনা পুথবী জানকী, নত্রসা লপুর্যিগী ভাগোষ্ট অমুরাতীদা কয় লাইশীদা ওইবা মভাক্তা ভামখিবগে হায়বা ঐখোইদি ঊদে অদুবু কালিদাসকি মাহু ঊখি ঐখোই মীচমনা ফজবা কৌবদা ঊরবা মফম অদুদসু মাহাক্তি ফজবগী অতং অথম লৈত্রবা ঊকুং ঊমা খংই। অসুমনা তাইবংপানবদা ফজবা পোকহনবা অমসুং ফজবা শন্দোকপা তাইবংপানবদা তাংই। কালিদাসনা মশানা ফজবা অমসুং অতৈবু ফজবা অহু ঊহল্লি। মহাক্না মশাগী অন্তকণা আলোক অমা শেল্লবা মাহু থাইনা হাপ্পি, মানা য়েংমু লেংঙবা মমদা তাইবংপানবা অসে মতোমতা ফজজয়কনি। অদুম্না হায়রবদি, কালিদাস অসে তাইবা মীওইবগী তোঙানবা মী অমনি। মোরবদি মাংোন্দা লৈবা অহু ঐখোইনা লৈতে। মাহাক্না ঐখোই মীওইবগী তোঙানবা অহেনবা অমা লৈ — মাহুনা মাহাকপু মীগী মরক্তা তোঙানুনা কালিদাস হায়বনি। মাসিদা ঐখোইনা য়ানীংঙবা ওসোই মরম অদুনা ইরিবমথৈ কাব্যনি অমসুং ইরিবা মী মথৈ কবিনি হায়বা ঐখোইনা য়ানীংদে অমসুং হায়বা পামদে।

২

তৌইগুবসুং অসিদা লুবদি—হৌজিক কবি অমসুং মহাক্না কাব্যমা মুশক থঙবা আস্নান। পোৎ পুন্নমক্তী মক হৌজিক কৈথেন্দা "নকল" হায়বা অমমম্ খোক্লে। কবিগী মরমদসু অদু মওায়—কবিসু "নকল" য়ান্না খোক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মরমদি মংদা পারবদি থুক্রবা মেৎলবা য়াহে থরা "তিনাদিনুনা মীবু শেনহনবা ওবা য়াই; শরৎকী পুশিমাগী ভাংথক নাইত্রবা থাংনা শংবান্নবা অটিক্না থাদি, অয়াথা অহিংগী লৈরাংনা 'মালেম অপুবা লৈতেংজোগ' ঈচেল নাইবা ভুরেঙা ঊথকী

* ৩ "ৱাখলপাউ" চওবা মশীং আষাঢ়, ১৮৭১, জুলাই ১৯৯/ই৬১ দা পৌথোকপা

জগোই শারে, মলয়া হুংশিং নামিবনা লৈরাং লৈনম পুক্নন তাইবংপানবগী চাক্লবা থমোইবু ইংহল্লি, অসিনচিংবা— অসিগুম্বা শৈরেংগী ওইবা লোন অসি অয়াম্বদা মশাগী নৈনবগী মতুং ইন্না ইথা ওম্মি। ইবদি অরায়বনি— পুর্ণিমাগী মপুংফারবা থানা অতিয়াদা নোক্লি, তৌইগুম্বহৃং অরুবদি, থম্মোই কয়ানা পুর্ণিমাগী থাজগা লোয়ননা প্রকৃতিগী নিংথিবা অহু থেংনবদগী থম্মোইদা হুংঙাইবনা নোকপা ওম্বগে? তুরেনগী ঈথক্তা ঈথকী জগোই শাই, অচুম্বনি; তৌইগুম্বহৃং থমোই কয়াদা তুরেনগী ঈথক্লা কাবগে? হুরানবা কনাবুহ্ন ঐখোইনা "মাল" লোয়ননা ফাবা য়াই নোম্বা কনবা কনাবুহ্ন ঐখোইনা য়াদবা ওমদবদি থাঙ্গৈশেংবা কাব্য হায়বা অসিদি বিষ্ণুগী পাদ্‌তগীতা চেম্বরক্লবা লুরবা মন্দাকিনীগী ঈচেম্নি, অমস্থং অশেংবা কবিতনা স্বর্গগী অমৃতগী ঈরা অহু থকুনা লাম্নরিবনি। ইরিবা অহুতদি মপুগী য়াম্না শেংব্রবা মনিল নত্রগা শেংত্রবা মঙান মরীক নত্তনা করিহ্ন ফংবা নত্রগা উবা ওমদে। অহ্নন্না কাব্যগী অশেংবা রস অহু ফংবা অমস্থং কবিগী ঈংলবা খুভম ফংবা অসি ঐখোইগী মততদি মীওইবগী নীংবগী মথা পোনবা নত্তে। নীংবনা বুদ্ধিবু লমজিংবা য়াই, নীংবনা পুক্লিংবু থোগৎপা য়াই, তৌইগুম্বস্থং প্রতিভা অমস্থং মহৌশানা পীব্রকপা মতিক মগুণ হায়বা অসিদি নীংবনা য়োবা ওমদ্রবা মফুম্নি হায়বা অসি ঐখোইনা খাঙ্গে।

তৌইগুম্বস্থং অসি হায হাযহুনহ্ন ঐখোইনা মথক্তা হায়গ্রে— অহ্নম্না মীওইবদা ফজবা ফাওবা অসি চাং মান্নদে হায়বতনি, ফাওবদি ফাওই। তাইবং মী হায়বসি যজবা পান্মি। ঐখোইগী থমোই অসিনা কনাগী থৌইনশিন অমা য়াওদনা ফজবগীদমক্তা লাংতক্লবা লৈ। কালিদাসগী ফজবগীদমক্তা থমোই লাংতক্লহুনা মিংলুদা প্রেমগী ঈরা চেন্দুনা ফজবগী মাইকৈদা চিংনা চিংনা য়েংবগুম্না ফজবগী গুণ থংত্রবা ফজবগী শকফম য়েংবা হৈত্রবা ঐবু ইশানা থংদনা যজবগীদমক্তা পুক্লিং লাংতক্লবা লৈরি অমস্থং পুক্লিং লাংতবা ফজবগী শকফম অহু য়েংহুনা থরদং নত্রবহ্ন থরদং হুংঙাইবা ফংজরি। মথক্তা হায়খিবগুম্না ফজবা উনবগী ওইথোকত্রবা জ্ঞানোক অতুগী মতুং ইননা কনানা চাউনা উই, কনানা পিক্লা উই। কনানা ঙৌনা কনানা শংনা উই হসি মখৈতনি। ঐখোইহ্ন যজবা হায়বা অহু পামই নত্রগা পাম্বা হৈ, অমস্থং পামহুনা মাহু য়েংনীংই নত্রগা য়েংনীংবা হৈ, অসি ফাওবনি; মাহু ফাওবগী নত্রগা পানবগী চাং থরা খেম্নৈ হায়বতনি, মরম অহুনা মী মী অহুগী ফজবা পাম্বগী চাং নত্রগা পাঙ্গল খেম্নবা মতুং ইন্না তাইবং পানবা অসিহ্ন ফজে নত্রগা হেম্না ফজে নত্রগা খ্বাইদগী হেম্না ফজে। খওদবা কনানহ্ন বসন্তগী য়াচংবা মতম, হুমিংনা চীংয়া পকপ্রবা, চীংয়া খেনদোং লাংলবা তময়া কোরি চেনবা মতমদা শংবাম্নবা লৌবুক খাদগী হুম্নকপা নামিবা মলয়া হুংশিংনা হুম্বদা মবুক্লিংদা ওইথোকত্রবা হুংঙাইবা ফাওহুনা থবাই পুক্লিং হকচাং পুন্নমক পুম্না হুংঙাইবগী ঈপাক্তা তাউই; লাইনা ফারবা মীওম্না হরাওনা প্রকৃতিগী ফজবা অহু মিৎফম হোংদনা য়েংই, নত্রগা খাঙবা চম্মক্লহুনা হুংশিবগী খোজেম্না হুংশিনা হুংশিবগী কোলোয় শকতোকই। মতম অহুদা মহাক কবি নত্রা অমস্থং মহাকী কোলোয় অহুমক কাব্য নত্রা? করিগুম্বদা খওদবা কনা অমস্থ শরৎকী পুর্ণিমাগী

থারা নৈতিক থাঞ্জবা শংৱাম্নবা অতিয়াদা মোমোন নোকপা, অমসুং লীক্লাইগুম্না লুবা পাত্তা মুখম্মুনা চাম্বরবী থরোগা লোয়ননা শান্নবা, নামিবা মলঙ্মা হুংশিংনা হুৎনা হরাওনা জগোই শামিন্নবা নাম্ম শান্নবা খ্বাংজেংবা ছুতিনা নৈরাং শিজাম্লো ওম্বা, মান তৌরবী মালীগী শেফালিকানা শাওরলনা নিজ আজ্জল লৌথোকুনা লংশেকপা উবদা মাহু থওদনা জগোইগী তাল থাকই। শিঙ রৈগী মরুবা দশা উবদা মমিত্তা ঈরা চেল্লি। অঙাওবা কনাগী মতৌগুম্না ঙাইহাক নোকই, ঙাইহাক কপ্পি, ঙাইহাক হরাউনা জগোই শাই, অঙকপগী মতৌনি। ঙাইহাক অমা থাঙবা ঙমদনা হুংশিবা কোলোই ঙংঙি। ফজরবী প্রকৃতিগী ফজবগী ফজরবা রস অমু হেক থকউবা অদুদা ঙাইহাক মুন্দনা নৈতবা ঙমদে— মতম থরগীদমক থন্নবগী পাঙ্গল মাঙথি, উনবগী পাঙ্গল মাঙথি, তানবগী পাঙ্গল মাঙথি, মী অমু মতম থরগীদমক চেদা য়েকপা মূর্ত্তিগুম লেংদনা, উদনা, তাদনা লৈ। তাইবং পানবা অসি মতম থরুগী উনগুম্না চিকথি। মীনা মওদা চেনগে লাক্লবা, তৌইগুম্বসুং ঙমদবা; মতৌ অমুগুমনা মাহাক মতম থরগীদমক অশিবগুম লৈ— নীংবা পুম্নমক অরেম্বা ওইদনা তোকই। মতম অদদা মাহাক অদ, মতম থরগীদমক কবিনি অমসুং মাহাক্কী রাথল অদ, অশেংবা কাব্যগী রস নঙ্গগা অথুপ্পা ঈচেল অমনি। তৌইগুম্বসুং মাদদা অরাবদি ঐথোই মী ওইবগী রাহে নঙ্গগা লোল অসি ওসি কাওবা মপুং কাম্রি। মতম অদদা কবিগী ওইরিবা অবস্থা অমসুং থল্লিবা রাথল অদ কোংদোক্লবা মতীক চাবা রাহে নৈরম্নবদি পৃথ্বীসে নহাম্না স্বর্গগী নন্দন কানন ওইরগদবনি। হৌজিক বিজ্ঞাননা ঙমদবা নৈত্রে হায়রম্রি— অরাপ্পা শকপা ঈশৈ, অরাপ্পা শান্নবা লীলা নংগী নৈকমদা ফমদনা তাবা য়ারে, ফমদনা য়েংবা য়ারে। মাইক্রোফোন্না তারোইদবা তাহল্লে। কেমেরাদা মীগী মশকমক হেক মাম্না মমি তাই, তৌইগুম্বসুং কবিগী মপুক্রিংদা থল্লিবা অদ, থুদক থুদক্তা মম্রি তাহেৌনবা কেমেরা অমতং থোক্লম্নবদি তাইবংপান্নবা অসি নহাম্না ঈংলবা শান্তি নিকেতন অমা ওইরগদবনি। অসুমনা মী অয়াম্বা, মাহু য়ানীংলগা থরা— মাহুমক্তদসু থোয়দাক্লবদি মরাইবক কথামী থরদি অসুম্না মতম অমদা নংত্রবসু মতম অমদা, কাল পাত্র নঙ্গগা অবস্থাগী মতুং ইন্না অরাপা নঙ্গগা থুংঙাইবগী ভাবনা মুন্দনা অসুম্বা কবিগী রাথল ফংবা য়াওই। তৌইগুম্বসুং অরাবদি পুক্রিংগী রাথল অদ, পুক্রিংদা তিন্দনা তোকই। তেংবানবগী অরাবা থুংঙাইবগী হৌরবা খোঙ্গেলনা নমহুৎথিহনা মাগী ফজবা থর অমু অসুম হইথথি। উরবা ফজরবা শকফম অদো অশেংবা মঙাম্না মুখথিমগা লোয়ন লোয়ননা মশেন মরাং উথি। মরম অদুমক্তা তাইবং পানবা অসি ওইহনা নৈরিবনি।

ঐথোইগী বা অসি অওইবা পামবা কবিশিংনা য়ানীংদবা য়াই। মথোইগী মতত্তি তাইবং পানবগী নীংথিবা অসি চপ চান্দনা মাগী হৈশিংলবা তুলিনা য়েকুনা থাইদা উৎপা অদিনি। মথোইগী কাব্যদা অওইবা হায়বদি ইংরাজীদা Realism হায়বা আহুনা মরু ওইবা উগনি। রিয়ালিষ্টিক পামবা কবিনা হেন্দোকনা হায়বা পামদে। মথোইনা কবিগী কল্পনা নঙ্গগা ভাবনা নমথাক তৌবা য়ানীংদে। ফরবসু ফজবসু তাইবং পানবগী চংলিবা মওং অমিদা অমুথক য়েকনা

পাম্মি। তৌইগুম্বসু [illegible] পাম্নবগী [illegible] অসিগী [illegible] মশা মশাগী অপাম্বা মতুং ইননা তোঙান্, তোঙানবা [illegible] [illegible] [illegible] তোঙমবা [illegible] তেৎবাগী [illegible] অসি তোঙাল তোঙাল্লি হায়বা অসিনা থাজবা তাম্নবদি তাইবংপানবগী অওইবা শকক্ম থওবা লুই। অদুনা কবিনা মাগী কল্পনাগী মতেং [illegible] লৈতে। মহাক্না মহাক্কী তাইবং শানবনু মহাক্কী মিৎনা য়েংবদা উবা মওং অদু মহাককী মীৎ য়েংকদুনা উৎপা তাই। মাদুদা তোংজবদি ঐখোইনা ঐখোইগী মিৎনা উবা ফংলবা অদু মহাক্না য়েংদুনা ঐখোইগী মাঙদা উৎপি। ঐখোইগী মিৎনা উরিবা মওং অদু শেংনা মুৎথৎহুনা মহাকনা উবা মওং অদু ঐখোইদা উৎপি। শম্না হায়রবদা কবিনা মাগী কল্পনাগী পাক্ললনা ঐখোইগী উইশিল্লবা মিৎ শাংহল্লি। মাদুদা করিগুম্বা অমোৎপা লৈরবসু মাদু শেংদোকপি। মফম অসিদা মাদুগী কাম্নবা কাম্নদবগী মরমদা শাংনা ইহুনা ঐখোইগী মারেং অসি অমুক শাংদোক-হল্লরোই। মথক্তা ইল্লিবা থম্না অসিদগী ঐখোইনা কবি কনাবু কৌবগে অমসুং কাব্য হায়বনা করিনো হায়বা থওলে। সংস্কৃত অলঙ্কার শাস্ত্রদা "বাক্যং রসাত্মকং কাব্যং" হায়, তৌইগুম্বসুং রস য়াওবা বাক্য হায়বনা করিনো, ঐখোই থওদে অমসুং থওবসু অবাম্নবা নত্তে—লুই। ঐখোইনা থাজবদি মথক্তা হায়খ্রিবা মপুগী থৌজান ফংলবা মীশিং অসিত্তনা অশেংবা কবিনি অমসুং মখোইনা হায়দোকপা য়াহৈশিং অদুনা অশেংবা কাব্যনি। মীওইবগী বাহৈ হায়বা অসিদি মখোইগী য়াথলগী মতুং ইনবনি। সংস্কৃত কাব্য পাম্বা কনাগুম্বনা ঐখোইগী মতা অসিদা অথাবা মিৎয়েংনা য়েংবা য়াই। তৌইগুম্বসুং ঐখোইনা হায়নিংই কবি হায়বা অসিদি য়োংমরোন অতিয়া মথক্তা লৈটিল থেৎনা পাইরবা উচেক লাংমৈদোন মক্কদগীসু হেন্না মতোং মথা তম্নবি। মশানা ব্যাকরণগী চেৎলবা য়োৎহিং চন্দুনা লৈবা মহৌশানা পামদে। ঐখোইনা কাব্যগী নিয়ম কানুন শেম্বা য়াই, তৌইগুম্বসুং মাদু অপাবা মীগী পুক্লিংদা কাম্ন(দ)বা য়াই। থাজেশেংবা কবিদি—কনাগসু মরী লৈতবা, তোঙানবা জগৎ অমদা চৎপ্রবা তোঙানবা জীব অমগুম্বনি। শম্না হায়রবদা— কবিবু করিগুম্বা ব্যাকরণমচিংবগী নিয়মনা পুনবা ওমদে অমসুং পুনশিনহনবসু চুমদে। কবিনা অহানবনি, মতুংদা কাব্যগী নিয়মনি। প্রতিভা লৈবা কবি কনাগুম্বনা শীজিন্নবা নিয়ম মতুং ইম্না কাব্যগী নিয়ম শেম্বনি। অইবা মী অদুনা কবিনি, মানা ইরিমথৈ কাব্যনি হায়বসু য়াদে। প্রতিভাগী লম অসিদি নীংবগী মথা পোনবা নাংতে। থাজেশেংবা কবিত্ব ফংলবা মীদি মতম অদগী য়াথল কোংদোক্লবা মীওইবগী বাহৈ লৈতে। কবিত্ব ভাব চংবা কালদা থম্নবা য়াথল অদ ইনবা কলম পায়বা মতমদা মাদগী শক্তক থম্নদা ফঙডি। হুংঙাইবা হায়বা অসি জগৎকী অপাম্বনি। কবিগীদি কল্পনানা মাদ পী অমসুং মানা মাদ ঐখোইদা উৎলি। অদগা রিয়ালিজমগী মতুং ইম্না কল্পনা কোংদোক্লবদি কবিত্ব শক্তি ময়েং তাই।

মীতৈ-সাহিত্যগী ইতিহাসকী মরমদা ওয়া।

প্রবন্ধ অসিগী হিংথোক, অসি ঊবদা কনাগুম্বনা লোক্কনবা য়াই। মীতৈলোনগী সাহি

"ত্য়াইশেংবনি। হৌজিক ফাওবা থোক্তি হায়বা য়াউ— করম্বা মাগী অমুক ইতিহাস নঙ্গা মমাংগী রারী লৈকম থোকপগে— খনবা য়াই, পোক্তি ঙৈদা করম্না কুঠি ইবা হোগনি? তৌইগুম্বসুং

"মাহু হায় হায়দুনা ঐখোইনা মাসি অহানবা হৌরবা পাম্মি নত্রগা চুম্মি হায়না খল্লি। "হৌজিক ফাওবদা মীতৈলোনগী সাহিত্যগী লাইরিক অসি হজিন হজিন খুৎথেক্নুনা পারকহে মঙাদনি— খাম্মন্দে হায়রগা অরাইবনি— মাহুনসু শুকল্লি হায়রগা কুম্ব াদনি হায়বা অসি মইখ মঙায়রি। তৌইগুম্বসুং মাহু করম তৌনা করম্বা মতমদা থোকখিবা মাহুনা করি থবক তৌবা অসিনচিংবা বাহে মঙা তরাদং ইবসু কায়দরা ওইরোই। মতুংদা লাকলৌরিবা সাহিত্যগী ইতিহাসদা থম্মা অসিনা করবা মচাক অমা ওইরবসু য়াই অমসুং ওইরগনি হায়নসু থাজে। ঐখোই মীতৈশিং মহোৎশানা মমাংঙেগী বা ইবসি হৈনরদ নত্রগা পামদে— নত্রবদি ঐখোইনা খনবদি মাহু লৈরম্বদি মীতৈগী জাতিগী সম্মান অসি লহাল্লা থনা হেক্না চাওখৎলরগদবনি। ঐখোইনা থোকইবা থৌদোক অমতা ইশিন্দুনা থম্মীংদে, কনাগুম্বনা থম্বসু মাহু কোংদোক্লীংদে; মাহু মাগী লাইরিক লুবাক মতুংদা থমদুনা মতম মতুংগী ইম্মা গুম্বা চাহুদা নত্রগা কোককাই কাহুনা অক্রেমরদা মাঙদুনা তোকল্লি। মাহুহ মাদনি— অদগী মীতৈ সাহিত্যগী চাওরকা ঈাচল অমা থাইনগী তঙনা চেল্লক্লি হায়বা অসি মীতৈ সাহিত্য অগ্নিবা মৈনরবা মীমখৈনা হায়। ঐখোইনা থল্লি থাইনগী মীতৈশিং অহানবদা শম্পোৎ, অনীগুবদা থাঙ—তা, অক্রমগুবদা কুমৈ নত্তনা অতৈ তৌবা হৈরমদে অমসুং তৌনীংলমদে। চুম্মি, মতমগী মতুং ইম্মা থাইনগী ইপা ইপুশিং অহুনা মথবাই হিংবগী চানবা থোক্নবা লৌউবা তারম্মি— য়েক্রবনা ক্ষোয়শিন্নবা মফমদা লৈবনা মশা কমনবা খুৎলাই তম্বা তারমম্মি— অদদা মহৈ য়ানব গুম্বদি অরেম্বা মতম অদ মখোইনা হরাও কুমৈ তৌবা নত্তা করি তৌগনি? প্রকৃতিনা পুমনোব মোকপিরবা দেশ অসিদা রারুবগী করি কায়বসু লৈবা? তৌইগুম্বসু মহোশা লাইরেম্বীনা মীতৈদ থাল্লবা মতীকচানা পীবিবদা নত্তনা মাগী মকরবা মুক্তি অহু মীতৈগী মিন্তা উৎপিহুনা কাহু থাগল শকপহু তম্বীরম্মি। কনা কনাগুম্বা মীতৈবু থাং—তা অমসুং লোংমৈগী মরক্তা খাদ থোংশিন্দুন থমহৌনবগী লৌশিংসু পীবিরম্মি। অদনা ঐখোইনা কক্না চাজর্বদি— মীতৈ সাহিত্যগী অতৌব ইতিহাস অমা শেম্বসু ওইথোক্কবা ওইরোই।

ঐখোইনা অঙাং ওইরিঙৈদা মীতৈলোনগী ব্যাকরণদা তম্মি— মীওইবনা মপুক্তা নীংলবা ব অহু মচাম্মা ভাংহুনা কোংদোক্লিবা অহুবু লোন কৌই। ঐখোইগুম্বা ঐখোইগী থাইনগী ইপা ইপুশি

---

* "জ্যোতিঃ" ১বা চহী, হিয়াঙ্গে শকাব্দ ১৮৭১, ১২শুবা মশীং লমাই ৩৪৮/৩৫৫ দগী লৌখাতকবা

অহুম্থু মতম অহুগী লোন অরিবা মীতৈ লোনা ঙাংনরম্মি। ঐখোইনা তাঃ— মমাংতৈদা মণিপুর ত্রম্পাক অসিদা মৈতৈ, লিংথৌজা, মোইরাং, খুমন, অঙোম, লুয়াং, খাবা ঙানবা, চেংলৈ হায়বা শলাই তরেৎ অসিগী মী জাৎনা তোঙান তোঙানবা মফমদা মনীং-মথা তনা পাম্লম্মি; মখোইগী লোন অমগা অমগা তিন্নরমদে; তৌইগুম্বসুং মতম মতুং ইম্না জাৎ তরেৎ অসিগী লৈকমসু শন্নরক্লে অমসুং পুন্নমক অমতা ওইখিদুনা থাইনগী মীতৈ জাৎ অসি ওইখি। অমসুং মখোইগী লোনসু অমগা অমগা তোঙন-য়ায়দ্রুনা থাইনগী অরিবা মীতৈলোন অদু ওইখি। তৌইগুম্বসুং অমগা অমগা তোঙনবা শন্নবা রাংপনা লোন অদু মপান্না লাপা শন্দোকপা ঙমখিদে; কন্নি অমুক হায়গনি— লৈবাক অসিগী মনুংদা চল্লিবা চীংমান ফাওবদা মান্ননা শন্দোকপা ঙমখিদে। মরম অদুনা পীক্লবা মণিপুর কৌবা ভারতকী পীক্লবা মচেৎ অসিমগী মনুংমক্তদসু লৈকম খুন্দাক্লম তোঙ্গনা তোঙান তোঙান্না লোন তরামাথোইদগীসু হেন্না চৎনরি। মীতৈলোন অসি করম্না মখলগী লোন ওইগদগে হায়বা হৌজিক ফাওবা থিবা লোইদ্রি। তৌইগুম্বসুং ঐখোইনা থাজদবা ঙমদ্রবদি— মাসি লোন পুন্নমক্তগীসু হেন্না য়ান্নরবা লোন অমনি। লোনগী হৌরকফম থিবা অসি ঐখোইগী প্রবন্ধ অসিগী উদ্দেশ্যদি নত্তে; অদুবু ঐখোইনা মফমসিদা রাইহেগী মতাং ওইনা পন্দবা য়াদদুনা পল্লে; ঐখোইনা থাজে—মীতৈলোন্দা ঐখোইনা উদনা খঙদনা সংস্কৃত, বাঙ্গালা, হিন্দি, আসামী, ব্রহ্মালোন মশীং নাইদনা মশক ওন্থোক্লুনা চঙলুনা লৈরে। অওইবমক্তি মাসিসু মতম মতমগী থৌদোক মতুংইন্না লাকপা লোন্নি।

মীতৈগী থাইনগী সাহিত্য লৈরমত্রা হায়রবদি পাউগুম পীবা ঙমনা লুই। ঐখোইনা পাখৈ লৈতদুনা মীতৈ লাইরিক হৈবা পণ্ডিতশিংদা হঙ্‌ই; তৌইগুম্বসুং মাহুন্দু অদু মঙায় কনানসু শকওং পান্দুনা পাউখুম পীবা ঙমদে। থাইনগী মীতৈশিংনা করম্না চহীদগী হৌদুনা মখোইগী ভাব রাখল অদু ইদনা থম্নবগী পাখৈ অসি পুথোকখিবগে হায়বা অসি পণ্ডিতশিংসু মত তিন্নদে— খরনা হায় মীতৈ ময়েক চৎনরক্লিবা অসি চহি লিশিং অনীদগীসু হেন্নে; খরনা হায ঙরাংতনি। তৌইগুম্বসুং থাইনগী লাইরিক অরিবা লৈরম্লিবা মতা অসি তারগদি ময়েক অসি পোকপা ঙরাংদনি হায়রবা লানগদমাম্লে হায়না নীংই। "চোথে থোঙাই পাথংবা" হায়বা থাইনগী অরিবা লাইরিক অমা মীয়োন তরামন্নি-মঙাগী মমাংদা ইবা থেংনৈ, অদুগা শাখৈ মঙা-তরাগী মৈহৌরোন কুপ্না হংদনা খিবদসু খঙই—অপোকপা মপা মপানা শিরগা হাপচিন্নরকপা মিং অদুনা মিং ৫০/৬০ দগী হেনবা ঙাক্লা ওইনা তৌই। অদুনদি চাউরক্লা পারদুনা হায়রবদা মীতৈ ময়েক অসি চহী লিশিংগী মমাংদনা লৈরম্লবনি। মাসি লানবু লান্নবসু চুপ্পু চুম্নবসু থাইনগী মীতৈশিংনা মাখোইনা খনবা রাখল, থৌদোক্লচিংবা ঈনবনীদমক ময়েক পুথোক্লম্মি হায়বা অসিদি শোয়দবনি। অরাম্বনা মাসি ঙরাংদ্রনি বাঙ্গালা ময়েকী শাম্নিন্ন ফংলবা কালদা শেম্বনি হায়বা অহুদি চুম্মিগনি হায়না নীংদে। মাসি চহি লিশিংগী মমাংদগী লৈরক্লবনি হায়না থাজবা য়াই। ময়েকী মতা, পুথোকপগী মতৌগী মরমদা মুন্না খঞ্জিন্দুনা য়েংলবদি মাসি ঐখোইগী ভারতকী

মখম অতৈদা মতম অসিদগী মকল চংনরবা "ব্রাহ্মীলিপি" গী মতৌগা হাইরিপ মাম্লে হায়বদুদ য়াই। 'অনীমক মাম্লা 'অরায়বা মওংদা শেম্বনি অমসুং "অনীমক মাত্রা থমদবনি। ব্রাহ্মীলিপিদগী হৌজিক ঐথোইগী মীতৈ লৈবাক্তা চংনরিবা বাঙ্গালা ময়েক অমসুং আসামী ময়েক অসী থোকখি হায়বা অদি পণ্ডিত 'পুন্নমক্তা য়ানরবা অমনি। খুদক্তা "পোকদবা চহী চহমলোমগী মমাংদা ব্রাহ্মীলিপি অসীনা উত্তর ভারত থুংনা অমসুং য়ামা লাম্না দাক্ষিণাত্য ফাওবা চংনরম্মি হায়বা অসী মহারাজ অশোককী অনুশাসনদগী খঙবা ঙম্মি। মতুংগী ওহৈদোক্লুনা বাঙ্গালা অমসুং অসামগী মখম অতৈদা ফুটিল হায়বা মিংথোল অসী থোন্দুনা চংনখি। নোংচুপকী থায়নগী "শারদা" ময়েক• ময়ায় ভারতকী "নাগর" ময়েক খা ভারতকী ময়েক খরা ইহুনা য়েংহল্লবদি ঐথোক্টসু থাজবা পোকই— মীতৈ ময়েক অসী অতৈ ময়েক অসিগুম্না মতম অত্তুরাইগী ময়েক্নি। মতম অতুদদি মাসী মতম অতুগী মীগী অপাম্বগী মতুং ইন্না অপোকপা লোন, থেবরোন, নিংথৌলোন, লাইরেম্বা লৌতারোন অসীগুম্বদগী ময়েক ওইরম্মি; তৌইগুম্বসুং কালগী মতুংইন্না মমৈদদি মহাভারত• রামায়ণ, নীতিশাস্ত্র লাংলোন, উপন্যাস, থোঙাই পাথংবা, নাটক অমা হোংবা ফাওবা মীতৈ ময়েক অসীনা ইরে। ঐথোইনা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মতমদগী লৈবাক অসীদা বাঙ্গালা ময়েক চংনরমাম্লে হায়না নীংই; তৌইগুম্বসুং মতম অতুদা লেংলম্না লাইরিক খরা অসী উরগদৌ থাঙ্গেশেংনা থাজে— মতম অতুগী মীতৈশিংনা মাগী জাতিগী ময়েক অমসুং সাহিত্যবু থাঙ্গেশেংনা সুংশিরম্মি, মাগী মাগী রাথল ভাব অতু মতম অতুগী লেখকশিংনা মীতৈ ময়েক্তা ইরম্মি। ওইরম্বা য়াই— মথোইনা চংনরকপা ময়েক থাদোকপা ওমদবা নত্রগা অনৌবা ময়েক পুশিনবা ঙমদবা; তৌইগুম্বসুং মতম অতুদা মথোইনা তৌরম্বা থবক পুন্নমক উরবদি ঐথোহি ইকাইবা পোকই। ঐথোইনা থবক্তি ইতৌ তৌদনা মীতৈ সাহিত্যগী নিন্দাদা তৌবা অসীগী কাম্নম ঐথোই খঙদে। মতমগী লৈতবা লৈতে, হৌজিকমকসু হোংনবগী মতমনি। হুন্দোক্লুনা খাগা করন্না চাওখংকনি? সাহিত্যগী অশেংবা রাথল তৌরবদি মীরৈবাকী চাওখৎলবা সাহিত্য ঙাক্তা তম্বনা জাতিগী মপুং কান্না চাওখৎপা য়াকম থোক্কে। ঐগী ঐগী ইশাগী নত্রগা জাতিগীসু মপানগী থবক বিজাতীয় সাহিত্য তম্বনা কাম্নবা য়াই। 'তৌইজরসুং হোংবা য়াত্রবা জাতীয় ভাব, রাথল, মওতি বিজাতীয় সাহিত্য তম্বনা ওইবা য়াবা নত্তে। অসুম্না মমাংজৈগী ঐথোইনা পণ্ডিত হায়না খরম্বা অহলশিং অতুগা ঐথোইগী হৌজিকী শিংলে হায়রিবা নহারোল অমিগা চাংদমনা য়েংলগা পুক্কীংদা থাজেশেংনা ইকাইবা পোকই। ঐথোইনা কৈজ্রিবা য়া অসী দোকুম্না হায়রবদি— মীতৈ ময়েক অসী, হৌজিক মপুং কাদে। বিজ্ঞান সম্মত (সাইন্টিফিক) ওইদে অমিনচিংবা হায়দনা ঐথোইনা তাথীরিবা অসী ঙম্নাংগী নত্তে। উরগা নোক্নবদি লায়, তৌইগুম্বসুং খোঙহোক্লগা হায়বা থবক অসীদি অরায়বা নত্তে।' শেমদোকউ, কম্বুং নংগী নপোং ফজবগী পাওরোন লাইগী খোঙপওবনি— কনানা নংগীদমক শেম্বিগনি? নত্রবদি ইকাইনু।

মীতৈ সাহিত্যগী চৎলক্লবা মতা অসি উত্রগা ঐখোইনা মাসিবু অক্রম থোক্না খায়দোক্নীংঙি—অহানবা, অনীশুবা, অহুমশুবা, অমস্তুং হৌজিক্কী যুগ। মমাঙদা মমাঙদগী ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা পানবগী মতাং ফাওবা অসি মীতৈ সাহিত্যগী অহানবা যুগনি। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা পানবা মতমদগী চুড়াচান্দ মহারাজনা পানবগী মতম খরা ফাওবা অসী অনীশুবগী যুগনি; চুড়াচান্দ মহারাজনা পানবগী মতমদগী হৌজিক ফাওবা অসিনা হৌজিক্কী যুগনি। অহানবা যুগকী মীতৈ সাহিত্যদি ওস্তোক ওস্তোকপা লাইগী বা, অঙক অঙকপা ওইথোক্লবা থাজবগী বা নত্তনা করিসু নত্তে। মাসুদি শন্না হায়রবদা লৌতারোন্দা ইরি—মচা লাইরেম্বী অনীদা বাহৈ বাঙাং খরা তাকউবদগী হুমিৎনা মাগী খোঙনেৎ শগোল থৌজিন্দুনা লাইরেম্বীগী মপা নেংখায়খি অমসুং বায়থু ওনখি—অতনা হৌজিক বায়থুগী মনঙদা শগোল খুন্নুম লৈরিবা অসিনি অসিনচিংবা। অসিগুম্বা বা অসি নত্তনা অহানবা যুগকী মীতৈ সাহিত্যদা অতৈ থোইদোকপা উদে। মাসি মতম অতুগী মীগী ভাব অমসুং বাখলগী মতুং ইনবনি মাসি ঐখোইগী মীতৈ সাহিত্যদসু নত্তে—হৌজিক্কী চাওখৎলে হায়রিবা বাঙ্গালা সাহিত্য অসিমক মতম অতুদদি অসি মঙায়রম্বী হায়বা অসি বাঙ্গালী লেখক পুন্নমক্না হায়রিবনি। মতম অতুদা ইরম্বা লাইরিক ময়াম স্তারবদি খঙবা ঙম্মি—লোনুগী নৈনবদী গত্ত লেখকশিংনা তৌনরমদে—পত্ত লেখক নত্রগা কথকশিংতনা লোনগী চর্চা তৌরম্মি। মাসী লোন পুন্নমক্কীমক হৌনবী ওইনা তৌই। অয়াম্বদা পত্তনা গত্তদগী হল্লি। গত্তগী লোন চর্চা তৌবা অসিদি থাজেশেংবদি মতম অসিগী যুগকী থোইদোকপনি। অরাং অপাবগী মমি তাত্রবা, মহৈ মরোং পাম্বী কুপ্পদগী শংবাম্নবা চীংনা কোয়না পনশারবা সনা লৈবাক অসী উবমক্তদা কনাগী থৌইনশিন য়াওদনা ওস্তোক ওস্তোকপা বাখল তৌত্নুনা মাদু ফোংদোক্নবা হোৎনবা অসি মহৌশানি—থাইনসু অদুমঙায়—হৌজিকসু থাইনগী অবস্থা অদু তারবদি ওইবা য়াবনি। মবম অসিনা থাইনগী সাহিত্যদা লোনগী চর্চা তৌবদি পত্ত সাহিত্যদা ওাক্না তৌরম্মি। অয়াম্বা হৌজিক ফাওবা কাউবা ওমত্রবা শৈরেং ময়াম অসি মাদুগী প্রমাণনি হায়বা য়াই—লোইচীংগী নাপোমদা ইঙেন্নৈ পাম্বী হৌরি—পাম্বীদা লৈরাং তোম্শাৎলি—লমদম্না তাম্খিবনা শানী শানৌ কনানসু হেকতুনা চীনত্রে। মলয়া নুংশিং নামিবনা লিরিতা শীৎপদা লৈথোক লোয়রবনা মালেমথক্তা কেন্নে—মাদু উবদা কবিত্ব শক্তি, লৈরবা মীতৈ কনানা মমিত্তা ঈরা চেথুদনা শক্লে—চীংদা শাৎপা ইঙেন্নৈ চিন্নদনা কেন্‌খিবা কল্লকই। লৈরাংগী ভাবতা চওখিবনা মংয়া নুংশিৎনা লিরিদং শীৎপা অত্থু থাওবা ওমত্রে, নামিরবা নুংশিৎপু নিন্দা তৌরে। অসিনচিংবা ঐখোইনা কাউবা ওমত্রবা শৈরেং য়াম্না থায়নগী কবিশিংনা শঙ্গম্মি অমসুং ইরম্মি। ইতিহাসবী বা মঙা তম্লাসু ইরম্বা উট—শাগেগী মৈহৌরোন ইনরম্মি—মথোই অসি সাহিত্য মিংথোল ফংবা মতীক চাত্নবসু শাগৎনবগী মচাক মচা মচা ওইনা লৌবা য়াই। অমুম্না ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা পানবা মতম ফাওবা চৎনবনি।

তৌইশুবসু, মহারাজনা বৈষ্ণবধর্ম লৌবা অমসুং ধর্ম অদুনা লৈবাককী ধর্ম ওইবগা লোয়ন—

লোয়নবা মীতৈসাহিত্য অতোপ্পা মওং অমা লৌখি। মতম অসীদা গদ্য অমসুং পদ্য সাহিত্যদা থাহৌনলংবা লোনদগী নৈনবা হৌখি। সংস্কৃত লোন তম্বা অয়াম্বা লেখকশিংনা মখোইগী লাইরিকতা সংস্কৃত শব্দ থেংনিনবা লোন চাওখৎনবা লাক্লখি। মতম অসিদদি থাজৈশংবা সাহিত্যগী তান মীতৈ লেখকশিংগী পুক্নীংদা পোক্লে হায়বা প্রমাণ য়াম্না উই। মতম অদুদা লেংবা রামায়ণ, মহাভারতকুম্বা অনুবাদ সাহিত্য ঐখোই কয়ানা হৌজিক তৌবা ওয়দে? লাংলোনগুম্বা নীতিশাস্ত্র লেংবা গুরা মীতৈ কয়া হৌজিক পোক্লবগে হায়বা ফনা লুই। চাণক্য নীতিদগী ঐখোইগী লাংলোন নীতিদা কয়া হুম্বগে হায়বা ওমদে। সনাহোংবগুম্বা নাটককী মওংদা ইবা উপন্যাস প্রন্থ কয়া ঐখোইগী লোন্দা হৌজিক থোক্লবগে? থাজৈশংনমক মতম অসিগী মীতৈশিংনা থাং, তা, নোংমৈ ক্লোপকী মরক্তা তৌরম্লিবা সাহিত্য চর্চাগী বা খল্লবদি পুক্নীংদা তাঙকপা পোকই। মতম অসিদগী সাহিত্যগী ঈচেল অসী চুম্না সাহিত্য ঈপাক ওয়ে হায়বদি চুমি; তৌইগুম্বসুং লোনগী মরমদদি মাসি ঈরোং অনী কাংলে। ধর্মগী ইথিল অমসুং নৌনা লাকপা ব্রাহ্মণশিংগী ঈনোং মক্তা মপুং কানা চেল্লবা ঈচেল অদু ঈচেল অনী লোঙবা তাখি। অয়াবনা মীতৈলোন থাদোক্তনা বাঙ্গালা লোন নৈনবা অমসুং বাঙ্গালা লোন্দা মখোইগী ভাব ফোংদোকনবা লাক্লখি। মতম অদুদা লেংবা বাঙ্গালাগী "আধ আধ বাণী" ওইবা শৈরেং অদু খল্লবদা মুংশি। খোইদোকপদি মাসি ঈশৈদনা নম্মি; ঈশৈমকসু ধর্ম সঙ্গীতকী মরমদনি। অসুম্না নিংথৌরোল মঙা তরুক চৎলবগী মতুংদদি মীতৈনা মণিপুরী ভাষাগী চর্চা তৌগনি হায়বা পুমকাউ কাউরে। মাদুনা থোকপদি মতম অসীদা মীতৈ লাইরিক অমতা থোক্তে— সাহিত্যগী ভাব অমতা মীতৈগী থমোইদা পোকখিদ্রে। মীরৈবাকী মওৌ ওইবা তরা নত্তনা তৌফম খওদে— মশাগী ওইবা অমতা থম্ফম খওদে, মশানা অতোনবনি হায়না খনবা হৌরে। অসীগী মমাংদা কনাবুসু কিরমদবা মীতৈ মশা নৈ হায়বা খল্লবনিদা কিবক্তা হৈদ্রে। ফংবা ওম্ফম খওদ্রবা জ্ঞান অদুম লালথোকখিরম্মি। জ্ঞানগী সামঞ্জস্য (মাল্লবা) অয়া জাতিগী মরক্তা লৈতবনা অপাম্বা থরা খঙবা কনাগুম্বা থরক্তনা ময়াম্বু লাকপা ওয়ে। চাওখৎপা অসি মী থরগী শরুক ওইরে। মশাগী লন লৈজবা অয়াম্বসু ফোংদোকপা ওমদবনা পঙশিন্দনা লৈরে মতম অসী মীতৈ সাহিত্যগী অশঙ্বা যুগ অমনি।

অসুম্না মীতৈশিংনা চহী চনী চহুম চুম্না বাঙ্গালা লোন অমসুং 'সাহিত্য নৈনচনা য়েংলে তৌইগুম্বসুং মাহুনসু ফল করিমতা ওইদ্রে মমৈদা উরে। ঐখোইনা বাঙ্গালা তমদুনা বাঙ্গালাগীসু করিমতা তৌবা ওমদ্রে নত্রগা বাঙ্গালনসু ঐখোইগী করিমতা তৌবিবা ওমদরে। লংকৈ চৎপগী বাঙ্গালানা মতেং পাঙিঙ, লম্লোনবগী বাঙ্গালানা পাম্বৈ ওই; ঈশৈগী মুরগী বাঙ্গালানা তেংবোঙিঙ; তৌইগুম্বসুং জাতীয় ভাবকী চাওখৎনবা নত্রগা ইশাগী থাজৈশংবা মনীংমথা তম্নরগী থরক্তা বাঙ্গালানা মীতৈগী মতেং পাংদ্রে। থাজৈশংবা মনীংমথা তাঙপা লোয়নবা সাহিত্য চর্চা তৌবগী মুংওাইদা অদু মাঙগদৌরে; জাতি অমগী মরু ওইবা কাংলুপ অমগী মুংওাইদা মতম মুইকগীদমক খোঙজেইকীদমক অমুম্বা মীতৈশিংনা মমৈদা খঙলরে। লোন লোক্তবা মীওয়া বাঙ্গালা সাহিত্যগী

মুংঙাইবা অমসুং খুম্বা রস চুমলবে ওসে ; তৌইগুমসুং কমায়না মাহুগী রস অছু পীমকপা ঙমগে ; লম অতৈগী অহৈ অশিং পুন্নমক মাশিংগী ওঙ্গ তৈনবা পুন্নমক হায়রগনু— তৌইগুমসুং থাজলেংবা সাহিত্যসেবী ওইবা মীদগি থাজলেংনা নিঙম নিঙমদনা লৈরক্লে। লোন হৈবগী কান্নবা এখোইগী থাজে, য়াই, খঙই ; অদুবু সাহিত্যগী রস চুমগী মুংঙাইবদি ঐখোই খঙদে। কোংলোক্তবা অয়াবদি থম্মোই চাক্লবগী মশক্তি ; কোংদোক্তবা মুংঙাইবদি থক্কং মমুংদা ঙংবা হুরিংগুমনি। তৌইগুমসুং কয়া কুইনা অমুম লৈগনি ? মমৈদা ঈরোঙ ফাংখিবা ঈচেল অছু অমুক তিন্নরে'। মশীং য়ামন্নবা জাতিনি হায়রুনা মাসিগী থম্মবা অসি লোইবদি লোইত্রি ; লোইদু লোইরোইদৌরি। তৌইগুমসুং থম্মনা মতম মাঙবতা ভাই। মরমদি মাসি তোঙানবা জাতি অমা ওইনা থাদোকপা য়াত্রবা পোংনি। অমুক থাগনি—য়ামীংদবা থরনা হৌদুনা অমুক হায়গী হুজিন্নবা লাকগনি— অদুনদি মতম মাঙবা নত্তনা ঐখোইগী তোংজবা লৈরোই। মরম পুন্নমক অসিনা মমৈ অসিদা ৺স্বর্গীয় চূড়চান্দ মহারাজনা পানবগী ময়ায়রাইদা অমুক হৌদুনা মথক্তা হায়খিবগুম্না ঈরোঙ অনী কাংলরা অদু অমুক তিন্নদুনা ঈচেল অমত্তা ওইনা চেন্নে। মতম থরগীদমক নৈননবগী খুংলাই ওইরবা লোন অসি মীতৈলোন্না ওইদুনা মীরৈবাকী ভাব অমসুং রাখল তম্বা হৌরে— অনুবাদ শাস্ত্র চংলে। তৌইগুমসুং মতম অদুগী অহৈ-অশিং পুন্নমক অমুক মীতৈলোনগী মীচঙ ওইরে। মীতৈগী বা থাদোক্নুনা জাতি অতৈসু অচুম্বা হিরম অসিদা থৌগৎলে অমসুং তেংবাংলরে। মাসিগী মরমদা ঐখোইনা—রেভারেণ্ড পেটিগ্রু সাহেব, জোনষ্টোন স্কুলগী নোঙ্গাগ্রবা হেড মাষ্টার মিষ্টর উইল্স, স্কুল অসিমকী বাঙ্গালী ওজা ৺রামসুন্দর রায়গী মমিং পনবা চুম্মি হায়না নীংই। পেটিগ্রু সাহেবকী মীতৈলোন মুংশিবা, মহাগী লেংবা ব্যাকরণ, অনুবাদ লাইরিকী থবক্তা তেংবাংবা, ইংলিস মণিপুরী ডিক্সনারীগী বা অয়াম্বনা তারম্বা য়াই, মিষ্টর উইল্সগী মণিপুরী পাওরো, ইংলিস মণিপুরী ডিক্সনারী অমসুং মীতৈলোন পাম্বা অমসুং মীতৈলোন চাওখৎনবগী থবক্তা তেংবাংবা ঐখোই অয়াম্বনা উহৌরে তাহৌরে। ৺রামসুন্দর রায়গী পারা মুংঙাইবা, ধারাপাতনচিংবা মীতৈলোনগী লাইরিক অয়াম্বনা পাহৌবসু য়াই। গ্রন্থকার ইশামক মহাকী খৌইনশিন নত্রগা মোইখেম হায়গে হায়রবসু অহানবা ফরগন্থ ফম্রবশু ইবদা অপাম্বা পোকখি। মখোইগী লাইরিকশিং অদু মীতৈ সাহিত্যদা খোইনা শিংথানবা পবমক নত্রবশু মখোইগী থম্মোই অদুবু থাগৎরবদি ঐখোই তৌবীমল খঙদবা তাগনি। মখোইনা লোশাগী ওইজনবগী নোম্বা য়াই নত্রগা মীতৈসাহিত্যবু মুংশিবশু মরম অদুগীদমক ওইবশু খঙদে ; তৌইগুমসুং মখোইগী উত্তম, থৌরাং অমসুং মীতৈ জাতিদা তেংবাংখিবা অদুদি ঐখোইনা থাগত্তবা ঙমদে।

মমৈদা শোক ১৯১৩ ইং রাইদা হৌজিকী মীতৈ সাহিত্য' অসী চেন্নিবা মাইকৈ অসোমদা চনবা হৌই। মৈরীক মচা মচাগুম্না মাইকৈ মাইকৈদা সাহিত্যগী সভা সমিতি মচা মচা পোকখি। মাহুগী মরমদা মিত্র সমিতি, ইম্ফাল ইংলেণ্ডস ইউনিয়ন অনীগী মমিং পনবা মতিক চায়। অহানবগী দুসি চৈরাপ কোর্টকী মর্দ মান মেম্বর শ্রীযুক্ত খাইদেম নোংয়াই শিংহগী মুখদা হৌই, মতম অদুগী

ছাত্র অমসুং শিক্ষিত সম্প্রদায়গী মীশিংনা মীতৈ লোন্দা অমসুং বাঙ্গালাদা ওন্নানশিনবা ঊনদুনা সাহিত্য চর্চা তৌবা হৌখি। অনীশুবা অসিনা—৺হবাইবম নবদ্বীপচন্দ্র সিংহগী ত্রুবেনা, ৺নবদ্বীপচন্দ্র মপা, ৺হিজম অঙাংহল সিংহ অমসুং গ্রন্থকার ঈশামক অহুমনা লোমন্দুনা মযোল শুদ্দিংগী রচনা অমমম পীনবা ৱাশকখি অমসুং শোয়রগা জরিমানা তৌবা লোপ্পনখি। খরা মতুংদা ইংশোক ১৯১৫/১৯১৬ শুবদা অহানবা হৌদি মীতৈলোন্দা শকই—মীতৈলোনগী পার্থ পরাক্রম নাটক লীলাগী ফগাক কায়। মীতৈলোনগী মতম অহুমাইগী অবস্থা খঙনবগীদমক খরা অসি খুদম ওইনা হায়ে। মখোই অসিনা মীতৈ সাহিত্যগী থোইনা থবক তৌরমদে হায়বদি ঐখোইসু খঙই। হৌজিক্কি মীতৈ সাহিত্য অসি লম অতৈদা ফনা হুন্নরবসু লীলা, ড্রামা নাটকচিংবদি থাক অমদি য়ৌরে হায়বা ঐখোই থাজরে। মমাংঙৈদা মীতৈলোন্দা লীলা শাম্নহৈদবগুম নীংনরমি। তৌইশুবসুং হৌজিক্কি লীলা ফবাক্কি থাঙ্গেশেংনমক মীতৈলোন্না দখল তৌরে। ধর্মগী মরীগী ঈশৈ নত্তনা অতৈদসু মীতৈ লোন্না ওয়ে। "য়াকাইরোল" পত্রিকা, "ললিত মঞ্জরী" পত্রিকাগী মতমদা মীতৈ লোন্দা ঐখাইনা মাগী মাগী ভাব শেংদোকহুনা মীতৈ সাহিত্য চর্চা তৌবগী খুদোং চাবা ফংখি। অসিগী মতুং খরা লৈরগা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অসি স্বর্গীয় কবি ৺চিঙাখম মযুরধ্বজ সিংহনা সভাপতি ওইদুনা শেমখি। ৺কবি হিজম অঙাংহল সিংহ অমসুং ৺হবাইবম নবদ্বীপচন্দ্র সিংহ অমসুং গ্রন্থকারশিনা অহানবা অনোম্বা মীনি। থবক তৌবা হৌগৎ-লম্লবনি—অরাবদি অক্লান্ত কর্মী ৺থোকচোম মধু সিংহনা মতম চান্দনা নোঙ্গাখিবা অসি পরিষদকী য়াম্না অমাংবা অমনি। অসুম তৌদুনা মীতৈ সাহিত্য অসি হৌজিককী অবস্থা অসি য়ৌরক্লে। হৌজিককী যুগকী লেখকশিংগী মরক্তা ৺লমাবম কমল সিংহ ডাক্তর, ৺হিজম অঙাংহল সিংহ, ৺হবাইবম নবদ্বীপচন্দ্রগী মমিং পনবা চুম্মি।

৺কমল সিংহ ডাক্তর থাঙ্গে শেংবা কবি ওইনা পোকপা লেখক অমনি। মহাক্কী মাধবী হৌজিককী মতমদা পুয়মক্লা খঙনরবা উপন্যাস কাব্য অমনি; কল্পনাগী নিংখিজবা, লোনগী অথোৎপা, ৱাখলগী অরাংবদা থাঙ্গে শেংনমক ঐখোই শাইগী লেমজনফম্মি। মহাক্কী লৈ পরেং কৌবা লাইরিক্তা মহাক্কী মরৈবাক মুংশিবা, পুকচেল থোৎপা, অচুন্নদি ওইরগা অচুম্বদা কিদবা অমসুং লাইনা থাবা কখি অমনি, খুদম য়াম্না ফংই। দেবযানী নাটক মহাক্কী ইকোন কোনবা লাইরিক্নি। তৌইশুবসুং মাসিদি ছাপাখানা য়ৌখিদ্রে।

৺হিজম অঙাংহল সিংহ অরাবা থাঙহৈরবা লেখক অমনি অমসুং কবিনি। মাগী 'শীংদেন ইন্দু' মণিপুরী সাহিত্যগী চাউখোকচবা য়াবা শৈরেং লাইরিক অমনি। অরায়বা অমসুং নিপা য়োকপা লোয়া কোংখোকপা কবি অসিগী থোইদোকপা অমনি।

৺হবাইবম নবদ্বীপচন্দ্র সিংহ—মপাগী কবির শক্তি ঈলবা লেখক অমনি। সাহিত্যগী মরমগী পুক্নুংদা কাওবা শিনাখোকপা লেখক্নি। তোঙ্গ-নাইজিংলেপী, সাহিত্য অহাননবচিংবদা মহাক্কী

মহাক্কী কবিকশক্তি লৈবগী খুদম য়াম্না ফংই। মেঘনাদবধ কাব্যনা মহাক্কী খরোইবা থবক ওইরে। কবি অসিগী ইচংথোবা লোন, মিপা থোকপা জার থাক্লেংশেংনমক মেঘনাদবধগী অনুবাদক ওইবদা মতিকাচাবমি অদুবু মহাক্কী থবক অসি শব্দোকপা ঙমহৌদবা অমি থাক্লেংশেংনমক অমাওবনি। অমুম্না স্বর্গীয় অমসুং জীবিত লেখকশিং অসিনা মখা মশাগী ঐ দান তৌদুনা সাহিত্য অসি থরকং সহ্নবসু থরদং চাউখৎনবা হোৎনবিরম্লে অমসুং হোৎনবিরি। মীতৈনা জীবন চরিত ইবা হৈরবদি অমসুং মশাগী ওইজবা থিদনা কান্নবা তৌথিবা মীদা তৌবিমল খুঙবা উৎপা হৈরবদী মথোইবু তঙনা নীংশিংদুনা মশাগী অরাংপা মেনশিনবা ঙমগনি অমসুং শোয়দনা চাওথৎপা খুভম ফংবা যাগদবনি। জাতীয় সাহিত্যদা জাতীয় জীবন অশেংবা মমি তাবনি। স্যাহিত্যনা জাতি অমগী অশেংবা যোটো কেমেরাগী থবক তৌরিব্নি। জাতিগী জীবন্দা মহৌশাগী কুহ্নিগুম্বা ওয়-তৈনবা থোক্লবা— অরা-অনংবগী লৈটীয়া জাতিগী জীবংবু মুপশিল্লবা— অর্থনৈতিক, রাজনৈতিক, সমাজগী ফিভম অমসুং আধ্যাত্মিক অবস্থা থোং চানা লৈবগা জাতীয় সাহিত্যগী থরায় চাউখৎলি অমসুং অচুম্বগী লম্বীদা চঙশিল্লি। হিংদুনা পান্নবগী অরাবগা লাম্লেংনরবা, অরাং অপাবনা জাতিগী থরায় মকশিল্লবা, নীতিগী অবস্থানা হুম্বরবা মতমদদি জাতীয় সাহিত্যসু শোয়দনা শোম্বে। জাতীয় সাহিত্যনা হায়রিবা পুন্নমক্কী চওখৎনবগী মরু ওইবা মরম অমা ওই হায়রবা অসিসু পৃথিবীদা পোকপা অহৈ-অশিং পুন্নমক্কী চপ মান্নবা অমতা ওইবা রাহৈনি। অনী অসি য়ামনা নকুবা মরী লৈ— ককথৎনবা য়াম্রবা অকনবা মরী অমনা অনীমক ফাজিন্নদুনা লৈ হায়বা অসি পুন্নমক্কী মতনি। মরম পুন্নমক অসিমা জাতীয় সাহিত্য পাম্বা পুন্নমক্না মশাগী স্বার্থ পুন্নমকা লোয়ন লোয়ননা জাতীয় সাহিত্য চাওখৎনবা হোৎনবনা চুংনি— মরমদি জাতীয় সাহিত্য চাওখৎপগা লোয়ন-লোয়ননা মরৈবাক অমসুং মাগী জাতিসু চাওখৎকনি— অমসুং মাদুগী মরক্তা মহাক্কী স্বার্থসু কায়দনা মশাসু য়াওগনি। কাংলুপ অহৈনসু সাহিত্যিক অমসুং সাহিত্য চাওখৎনবা অয়াবা মতেং পাংবা চুম্বনি— মরমদি নৈতিক অবস্থানা চম্বরবদা জাতিনা চাওখৎপা রাগনি। মরম অসিমক্তনা ওসি বিজ্ঞানগী যুগ অসিদসু সাহিত্যগী অসি য়োম্না সম্মান লৈবিবনি।

জীবিত লেখকশিংগী মরক্তা শ্রীযুক্ত ললিত সিংহ (অবেম্না মরূপ, সতীখোংনাং লেংবা); বভ্রবাহন পোকপা, নরসিংহ, লেংবা শ্রীযুক্ত লাইরেনময়ুম ইবুঙোহল সিংহ বি এ, বি এল, ; দেবলাদেবী লেংবা শ্রীযুক্ত ধনচন্দ্র সিংহনচিংবা অয়াম্বা নাট্যকার, বৈয়াকরণিক শ্রীযুক্ত রাহেংবম য়ুমজাও সিংহ (লোনগী রায়েল, লাংলোন, স্কুল পাঠ্য ইতিহাস), পণ্ডিত প্রবর শ্রীযুক্ত অতোম্বাপু শর্মা বিদ্যারত্ন (মণিপুর পুরাবৃত্ত, হান্নৈ মায়ে অয়াম্বা সংস্কৃতগ্রন্থগী অনুবাদক) অসিনচিংবা অয়াম্বা স্বদেশহিতৈষী লেখকশিংনা কয়া হোৎনদুনা লাইরিক থরা মতমগী মতিক চানা ছাপা তৌদুনা সাহিত্য মেমা তৌরি অমসুং তৌথিগদৌরি।

মীতৈ সাহিত্য অসি শঙনৌ-নৌরিবা নত্তে। মীতৈ মরেক অসিনু অরাবনা কুইজ্রিবনি হায়না থনবা অসি নাত্তে। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী হাত্তক-কাওবা মীতৈশা মীতৈ সাহিত্য লৈরম্লিদে অমুদগী মতুংদা বাংলা সাহিত্য চর্চা তৌবা হৌখি। তৌইগুম্বসুং মাহুনা মীতৈ জাতিগী অরাপা বাংলা অহুমকতা করিসু কান্নবা উংপা ওয়দে—সাহিত্যকশিংগী অমাওবা অমা ওইনা থোকখি। অহুনা সাহিত্যসেবীশিংনা মাতুংগীদমক নিংঙমবগা লোয়ননা হোৎনবা মশানা তাবনি। জাতীয় সাহিত্য চাওখৎপনা জাতীয় জীবন তেকথংনবনি।

মণিপুরী অমসুং মীতৈ।

মণিপুরী হায়বা রাহৈ অসিগী অর্থ ঐখোইনা য়াম্না অখুবা অমদা পুরি— অসুপকী মতীক খুত্রে ঐখোই নোংমা চপখায়তুনা শিবা য়াই। মণিপুরী হায়রবদি ঐখোইনা মীতৈদনি হায়না খল্লি। তৌইগুম্বসুং মাসিগী অর্থদি অসিদসু পাকথোহনবা চুম্মি। অহানবদা খল্লু— মীতৈ হায়বসি কনাবুনো? ঐখোইনা তশনা খুমন, মোইরাং, লুৱাং, নিংথৌজা, অঙোম, খাব-ঙানবা অমসুং চেংলৈ হায়বা শলাই তরেৎকী য়া অহল্লমনগী মচৌন্দগী তাবা ফঙিঙ। শলাই তরেৎ অসিনা মাগী মাগী মফমদা পালম্মি—মখোই মখোইগী নিংথৌ লৈরম্মি। নিংথৌ মশেল অহু অমগা অমগা লাপ্থীনরম্মি— মায়থীবা নিংথৌনা অঙম্বদা লোইপোৎ পীরম্মি। মমৈদদি মখোই অসি অমদা নত্রগা অমদা তিনখিহুনা অকনবা অনীদা হিংহৌরে অয়াম্বদি নিংথৌজাদা তিনত্রে: মখোই অত্তসু মীতৈনি হায়না অহুমক থঙনখি। হৌজিক অনী অসিদি থোং মান্নবা নিংথৌ ওইনা লৈহৌরে— মীতৈ নিংথৌ— মোইরাং নিংথৌ। মতম অতুগী মোইরাংশিংনা মখোই মশাবুদি মীতৈনি হায়না থনখিদে— থাইনগী মখোইগী রাহৈ পুন্নমক্তা মীতৈ হায়বসি অতোপ্পা জাৎ অমগুম্না শীজিন্নবা উই। মতম কুইনা চহি চা চা কয়া মণিপুরদা জাৎ অনী অসি মাগী মাগী নিংথৌগী মখাদা লৈনরম্মি। তৌইগুম্বসুং মমৈদা জাৎ অনী তিনশিন্নহুনা হৌজিকী মীতৈ জাৎ অসি শেমত্রে। মীতৈ হায়বা অসিগী অর্থ করিনো হায়বা অসি খিবা কনা দুই— "নানা মুনিগী নানা মত" হায়বা অহু লৈরি, হৌজিক ফাওবা মাহুগী অর্থ খিরা মপুং ফাত্রি—কনানা হায় মাসিগী অর্থদি মী (জাৎ) অতৈ (অতোপ্পা) হায়বনি হায়হুনা কয়া পুরি,—মীতৈনা অহানবা অসিদা খুন্দারবা কান্দা লৈরবা জাৎ অতৈনা মখোইবু অতোপ্পা জাৎকী মী হায়হুনা কৌরম্মি হায়নৈ। ঐখোইনা মাহুগী মরমদা নৈনহুনা রারেং অসি শাংলোকহল্লরোই— মাহু লাকদৌরিবা ঐতিহাসিকশিংগী

---

* "জ্যোতিঃ" ২বা চহী, পোইসু শকাব্দ ১৮৭১, ১বা মশীংগী জমাই ৯/১২ দগী লৌখোকখ্রবা।

মথুঙা শিন্নরা নত্তনা ঐখোইগী পাটক লৈতে। ভৌইগুবসুং তোঙাম তোঙানবা কাবদুনবী মীশিং অমুনা তিনশিল্লনা হৌরিবগী মীতৈ জাৎ অসি খাইমি ৱনি—মণিপুরদা লৈ হায়রুনা মপাঙ্গী মীশিংনা মখোইসু মণিপুরী হায়না মরীই।

ভৌইগুবসুং মণিপুর হায়বা ঐখোইগী লৈবাক অসিদা লৈরিবদি মীতৈ জাত্তা নত্তে—অহানবদা বামোনশিং বা হায়সি। বামোনশিংনা মীতৈ লৈবাক্তা লৈরবসু মীতৈনি হায়সি হায়বা য়ানীংদে। অজ্ঞাশিংগী অহমশেন্সা, মীতৈগী অনীশুবা—বামোনমখৈ অমা, মীতৈমখৈ অমা অসিগুম্বা রা ঐখোইনা তত্তনা ভারি। য়াদবা য়াদ্রে বামোনদি মীতৈ নত্তে; মীতৈ জাতি শেম্বা কাংবা মখোই অসিদা লৈরমদে—হৌজিক কাঙবা অজ্ঞাশিংনা হায়নবা ভায়—ঐখোই কোংব্রাইলাংপমদি শান্তিপুরগী মিশ্র শাগৈগী মীনি— অদ্বৈত প্রভুগী য়োরমদাই ববলাবনগী মচা পাম্বী অতুগী মখোং অহু ঐখোইগী মুক্ষাদি হৌজিক কাঙবা ইংখোল অহু নামজারি তৌরি; কনা অমনা হায়— ঐখোইদি মকম অতুগী "চাট্রার্জি" শাগৈগী মীনি নত্রগা মকম অতুগী বন্দোপাধ্যায়গী মীনি অসিনচিংবা অসিনচিংবা। চুন্নি—অহানবা কোংব্রাইলাংপমগী অজ্ঞা-পুরেন অমুনা শান্তিপুরগী সীতা নাকন্দা য়েশলপুম্না কোংবা তুরেনগী মপান্দা লাকুনা মহাকী শালগ্রাম চক্র অহু লাৎলম্বা য়াই; শামুরাইলাংপমগী অজ্ঞা পুরেন্না গনেশ (শামুশুবা লাই) লাওনবা য়াই, কুরাইলাংপমগী অজ্ঞা-পুরেন্না অহানবা-কুরা শাকুনা লাই লাৎলম্বা য়াই— ভৌইগুবসুং অতুদা অজ্ঞা-পুরেনশিং অতুদি থুপগে— হৌজিক লৈহৌরিবা "মপম" শিংসিদি করি জাৎনো? ময়াংনি হায়রুরনবসু খোঙ্গুম্লান কাম্বা য়াই—অহুনা পাদ্রি লৈতরুনা ঐখোইনা মাঙদা বিশেষন অমা হাপ্‌না আপোম ভোনবা ভাই—মীতৈ বামোন (ময়াং বামোন নত্তে)। অসি হায়রুরনবা অজ্ঞা অহু চীথাল খোইকরু তৌরি। অতুগা মণিপুরদা লৈরমিন্না অজ্ঞাশিং অসিসু মণিপুরী হায়নবা য়াদ্রে; অতুদা বর্ণ থায়বা মণিপুরী ব্রাহ্মণ হায়বদি ঐখোইসু য়াজবা ঙম্মোই। মীতৈনা মণিপুরী ক্ষত্রিয়, বামোন্না মণিপুরী ব্রাহ্মণ। অনী অসিদা লোন অমসুং ধর্মনা পুনবনা জাতি অমত্তা ওইরদা বেরা লৈরে অমসুং লৈকম খোক্রে—ঐখোইগী অক্কবনি।

অনীশুবদা—মুসলমান। ব্রাহ্মণশিংমক্তগীসু ঐখোইগী লৈবাকী মুসলমানশিংনা মীতৈ হায়বা উপাধি হাপ্নদা হৈনীংদা উই। ব্রাহ্মণশিংদি মীতৈ বামোন হায়বদা কয়া পেনবগুম উদে; মরমদি মখোইনা মীতৈবু হুম্বনা থারি। স্বার্থগী থদংপা য়াত্রবা মরী অমনা অনী অসি পুল্লমত্রবদি জাতি অনী অসি অমুক হেন্না লাপথোক্লরবা য়াই— মাতুংদি লোন, লৈকম অমসুং ধর্ম। ব্রাহ্মণশিংনা মমাংঙৈগী লোন্দি কাউরবনিন্না মীতৈ হায়দবা য়াদ্রে অমসুং লোন ভিন্নবগী অমত্তা ওইবা হায়বা অহু থমদবা ঙমদ্রে। অনীশুবদা মণিপুরদা পোকুনা চাউরবনিন্না লৈবাক অসিদা ছুংশিবা থমদবা ঙমদ্রে অমসুং লৈবাক্কী চাওখৎপগা লোইননা মখোইগী স্বার্থপা মরুবা মরী লৈবনা মণিপুর মাত্তাগী চাওখৎনবা হোৎজনবা য়াদে। অতুগী মণিপুরী ক্ষত্রিয় সমাজশিং অসিদি ব্রাহ্মণশিংগী থবা লৈত্রবা লৌথুক অমদি—অমুনা ব্রাহ্মণশিংনা লৌথুক অসি খোইতুনা, নৈতুনা হাবংতুনা মরু-মরাং হেন্না

খোক্লবা লাক্লবা য়াত্রে। অদুনা অসী অসিদি অমত্তা ওইদবা য়াত্রবনি। অদুগা মুসলমানশিং অসিসু মীরৈবাক্কী মাক্নুনা অসিদা খুন্দারবনি হায়বা অসিদি শোয়অবনি। অসিনা, গোকুলনা চাউহনা অমস্তুং লৈবাক অসিগী মী—মীতৈগা মতম কুইনা তোপ্‌ন—তিমহনা লৈরক্লবনিনা মখোইসু লৈবাক অসিবু মুংশিরে—আচার ব্যবহার অয়াম্বা লৈবাক অসিগী মীগা অমত্তা ওইরে, খোদা, হারামী অসিনচিংরা, রা থরদং নত্তনা মমাঙগী মখোইগী মীরৈবাকী লোন অদুসু পুমকাউ কাউরে— মীতৈ ওইরে। মখোইগা ঐখোইগা খেন্নরিবা অসি ধর্মতনি। ধর্মগা জাতিগা য়ান্না নক্লবা মরী লৈরিদি ঐখোইনা মহৌশানা প্পামদে। ধর্ম হায়বা অসিদি তাইবংপানরা মপু ফংননবগী মানা মানা পাম্বা লম্বী পুখোকপনি। মীতৈসু পাঙবদি অমস্তুং থাজরবদি বৌদ্ধ মুসলমান, খৃষ্টান ওইবা য়াই; অদু হায় হায়রুনা মাবু মীতৈ ঈ অদু কোকউ হায়বদি য়ারোই। মথক্তা হায়রগুন্না মখোইসু অমা ওইরবসু অমা ওইরবসু মীতৈ পাঙন হায়দবদি য়াদে— মুংঙাইবদি মাহুদা মখোইনা শাওদে, অহোইনহুম হরাউই, মখোইনা তাবা তাবা মফমদা মখোই ঐখোই ঙাচেং—খুমচেং থাইনদনা য়েংন—য়েমহনা চানরি। অমগা অমগা খোইনা য়েংথীনবা উদে। মীতৈ রামোন অমস্তুং পাঙন্না শেমগৎলবা ঐখোই মণিপুরী জাতি অসিগী লাইবক ফবনি।

অহনগুবদা—ঐখোইগী জাইকে মরীদা তারিবা চীংগী ইচিন ইনাও ময়াম। মখোইদি লৈবাক অসিগী জাতি শাগৎনবগী মরু ওইবা মচাক অমনি। ঐখোইনা তারিবা লম অসিদা মখোইগী স্বত্ব লৈরমসু য়ারি। লম অসি মীতৈদা নামজারি তৌবা কুইক্রিবনি হায়রুনা অয়াম্বনা থাজনরি। হৌজিকমকসু মখোইনা ঐখোইগী লৈবাক অসিগী থোংজাও মরীমকী শো পায়রুনা লৈরিবনি। মখোইগা ঐখোইগাদি মমাংৱেদগী অমতনি, হৌজিকসু অমতনি; তুংদসু অমত্তা ওইদবা য়াত্রবনি। ঐখোইগী মীতৈলোন অয়াম্বা শরুক অসি মখোইগী লোন্দগী পোক্লম্বা য়ারি। মখোইগী চাওখৎপনা ঐখোইগী চাওখৎপনি—ঐখোইগী চাওখৎপসু মখোইগী চাওখৎপনি। মখোইগা ঐখোইগা ককথৎনবা য়াত্রবা স্বার্থগী মরীনা পুন্দুনা লৈরবনি। মখোইগা ঐখোইগা থিজং তোঙান্না তাবগী মরমদি লোন, ধর্ম অমস্তুং চীঙ্গা—তমনি। লোন্দি মখোইগী লোনগা ঐখোইগী লোনগা পংলাপ লাপ্নমগনি হায়না নীংদে। মখোইসু ঐখোইগী লোন লায়না থোকই—ঐখোইনসু থরদং নৈনবগা মখোইগী লোন থোকদবা মতানি। মীতৈগী মীশিংনা থরা য়াম্বনিনা মীতৈলোন্না মরু ওইনা থোক্লুনা ঐখোইনা হৌজিকমক উরি— তাংখুল ইচিন—ইনাও অমগা, খোংজাই ইচিন ইনাও অমগা ভাংনবা কান্না মীতৈলোন শীজিন্নরি। ভৌগলিক অবস্থানা য়াদহনা ঐখোইগী লোন মখোইগী লম লৌবা ঙমদে; মখোইগী লোনসু ঐখোইনা চংলকপা ঙমদে অসিনৈতনি। তৌইগুম্বগুম্বসু ঐখোই মখোইদি নিতিগী পুন্সীনা থবক তৌমিন্নবা যাদবা, ভাংনবা য়াক্লবনিনা ঐখোইনা মীতৈলোন্না ঐখোই মখোইগী পুন্সিং কোংদোক্লবা ফাক্লরিবা অসিনি। তৌদবসু য়ারবনি। মরমদি চীঙ্গা তারিবা ঐখোই মখোই অসিগী লোনসু অমগা অমগা তিমদে। অদুনা ঐখোই ময়াম অসিগী তিমবা লোন অমা [illegible]

লৈতবা য়াদে। অয়াবনা খঙবা মতুং ইন্না অসিদা মীতৈ লোন্না মণিপুরী লোন ওইফম থোকই। হৌজিক অয়াবনা মীতৈ লোন্না কান্নদবগী, মরমদা মখল মখা অয়াম্বা যুক্তি পীদুনা মশাগী অশিংবা উৎনবা লাক্লে। তৌইগুম্বসুং ঐখোইনা তম্লিবা নত্রগা পামলিবা মণিপুরী জাৎ অসিগী মীপুম তিংনা শিক্ষা পীনবা উপায়দি অতোপ্পা পাম্বৈ লৈফম থোক্তে। মাসিগী মথক্তা অতৈ তৌরকপা প্রস্তাব পুন্নমক ব্রাহ্মণগী ওইনা চুম্বা য়াই, তৌইগুম্বসুং থবক্কী ওইনা হায়রবদি মণিপুরী জাতিগী চাওখৎপা তপ্পবা নত্তনা করিসু ওইরোই। মীগী লোন্দা তাংদুনা তহদি মীগী উশিত্তবা ফংবা নত্তনা অতৈ কান্নবা অমা লৈগনি হায়বা নীংদে।

ধর্ম্মগী ব্রা হায়রবদি— ঐখোইগী চীংগী ইচিন-ইনাউশিংনা চৎলিব ধর্ম্মদি ধর্ম্মগী অহানবা মওংনি। অমরোমদা ঐখোইগী বৈদিক যুগকী ধর্ম্মগুম্বনি। ধর্ম্ম পুন্নমক্তা ওনবা য়াবা মওংনি মাসিদা ধর্ম্ম তিন্নবা য়াবগী খুদোং চারবদি অচোবা মণিপুরগী অফবনি। য়াত্রবসু ধর্ম্মদি মাগী মাগী থাজবা অমসুং নীংবগী মখা পোনবনি হায়দবা য়াদে। মাতুগী থাজবনা কন্দুনা ঐখোইনা মমাংদসু মাতুগী ব্রা পনখ্রে। ধর্ম্মদি অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু ঐখোইনা হায়দবা য়ারোই, মখোইসু মণিপুরদা লৈরিবনি— অদুনা মখোইসু মণিপুরীনি। ধর্ম্মগী মরমগা মরী লৈনবা চিঙ্গাক খরগী ব্রা নত্তনদি ঐখোইগা মখোইগা হিংদুনা লৈনবা চংবা চিঙ্গাক পুন্নমক অমতনি। শন্না হায়রবদা— ঐখোই মখোইগী স্বার্থ, যুম্বাল, ব্রাখল অমতনি, অমতা ওইফম থোকই। খেন্নবা লৈবা পুন্নমক হুনদোক্লুনা মান্নহনবনা অচুম্বনি; অমসুং মাতুনা ঐখোইগী কান্নবনি অমসুং ওইজবনি।

ঐখোইগী প্রবন্ধ অসিগী মিংথোল উরগা কনাগুম্বনা করি ইগদৌরিবনো হায়দুনা চিংনবা য়াই হৌজিক্তি মিংথোল অসিগী মরম চিংনবা লৈতনা খঙবা য়ারে— মণিপুরদা তাবা ঐখোই পুন্নমক "মণিপুরী" হায়বা অমতা ওইবা মিংথোল অসি লৌদুনা অচোবা-ভারত মাতাগী চাওখৎনবা লাক্লবা অসি ঐখোইগী ইথৌনি। ঐখোই মণিপুরী হায়বা জাতি চুম্না বিচার তৌদুনা হায়রবদা ভারতকী মসুংদা থোইনা হুম্ববা কাংলুপ অমদি নত্তে হায়বা অসি ঐখোইনা থৌনা ফনা হায়বা ওম্মি। তম্বদা থোক্তবা, শেম্বদা ওইরোইদবা সম্প্রদায় নত্তে হায়বা অসি খাই-পুন্নমকনসু থাজে। ঐখোইগী অৱাংপা খরা অসি মেনশিন্দুনা মতম খরা নৈনবা চংখিবা য়াই হায়বগী ব্রাতনি। ঐখোইগী প্রাচীন সভ্যতাদি নোংপোক অসোমগী অতাওবনি। হৌজিক কালগী চাওখৎপনি হায়না নীংনরিবা নোংচুপকী শিক্ষা অসিগা ঐখোইগা মরী লৈরিবা অসি থাঙ্গৈশেংবদি শতাব্দী অমরোমদা মওাইরি। অহানবনা হিরম অসিদা হানখিবা অদু থুনমক ঐখোইনা তানগদৌরি হায়বা ঐখোইনা থাজরি। কল্যাবিদ্যা —— সঙ্গীত, চিত্রাঙ্কণ, কাব্য অসিনচিংবদা মমাংগী যুগতা মীতৈনা নোংপোক্কী জাতি অতৈ অতৈদগী করিমতা হুনথবা লৈরমদে—থোইনতুম হেন্নম্মি হায়বা য়াই। হৌজিক্তা ভারতকী সম্প্রদায় অতৈসু মাতু খঙলক্লদুনা মীতৈবু থাগৎপা হৌরক্লে। অদুনা ঐখোইনা হৌজিক তৌগদবা হায়ববু—মতমগী মতীক চাবা শিক্ষা ফংদুনা মতমগী মতীক চাবা মী অমা ওইবা হায়বা অসিনি। মমাংঙৈদসু হায়জখ্রে—হৌজিক্কী মতম অসিদি তিন্নবনা কনবা মতমনি। ঐখোইনা মীপুম তিংনা

জাতিগী ইকাই খুম্নবা ফংগে নীংলবদি জাতিনা চাওখৎপগী ইকাই খুম্নবা ফংলবদি জাতি অমুগী জাতিগী ইকাই খুম্নবা ফংগে নীংলবদি জাতিনা চাওখৎপগী ইকাই খুম্নবা ফংলবদি জাতি অমুগী মমুংদা লৈবা মাবু শাগৎলিবা মচাক খুদীংমক শোয়দনা মরম্নাই অচৌ অপিশক খায়দনা ইকাই খুম্নবগী শরুক ফংগনি।

পুন্নমক্কী মথক্তা ঐখোইদি হৌজিক গৌরধর্ম চৎলবনি। শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা কনাবুস্থ অতোনবনি হায়বা য়াখিদে। মহাক্কী অখোইবা শিষ্য ময়ামগী মরক্তা যবণ হরিদাসগী বা অয়াম্বনা তাকুনা লৈরবনি। শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভুনা ভক্ত হরিদাসবু করিগুম্বা মতম অমতদসু হনথবা মিৎয়েংনা য়েংখিদে। মহাক্কী পতন ওইবা মুমিন্তা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী হৌনবী মতুং ইন্না উৎসব ক্রিয়া পুন্নমক তৌখি। শ্রীশ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী মতপু—"চণ্ডালোহপি দ্বিজঃ শ্রেষ্ঠঃ হরিভক্তি পরায়ণঃ" ঈশ্বরদবু ভক্তি লৈরবদি চণ্ডাল হায়বা লৈতে, অতোনবা হায়বা লৈতে। মহাক্না অখোইবা ব্রাহ্মনি—ব্রাহ্মণগী মরক্তগীসু মহাক্না অখোইবনি থাজৈশেংনমক শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী ধর্ম্মমততি জীব পুন্নমক্তা সাম্যবাদনি। ঐখোইনা মাতুবু শেরাম্নবা পুতুনা মানা বামোন্নি, মানা মীতৈনি, মানা ময়াংনি, মানা হাওনি, মানা পাঙননি অসুম হায়তুনা ঐখোই মণিপুরী মশেন তোঙান তোঙান তানরা হোৎনজবা অসি থাজৈশেংনমক অরাবনি অমসুং জাতিগী চাওখৎনবগী অকায়বনি। খৃষ্টানগীসু অহুমগায়—বাইবেলদা করি হায়রি Those who quarrel about religion, their quarrel shall be in vain in the sight of their Lord. ধর্ম্ম পুন্নমক অসি মগায়। পুন্নমক্কী মথক্তা ঐখোই পুন্নমক্কী ঈশ্বরদি অমতনি। নংনা মাবু আল্লা, ঐনা মাবু কৃষ্ণ, মানা মাবু গোড, কৌসনু লোন খোম্নবতনি। মরম অসিনা ঐখোইগী ধর্ম্মগী লোন থেম্নবা অসি থন্দনা মণিপুরীগী জাতীয় ধর্ম্ম ওাক্লবা লাক্লবনা চুম্মি। মাতুতদা ঐখোইগী মঙ্গলনি—অফবনি।

লৈকম, ধর্ম্ম অমসুং লোনগীদমক মণিপুরদা পোকুনা অসিদা লৈরবা ঐখোইনা মহৈ মহৈ তোঙান তানবা হোৎনবা চুমদে। ঐখোই পুন্নমক জাতি অমতনি—মণিপুরীনি হায়না থনবা চুম্মি। নক্লবদি মতম অসিদা হিংতুনা মুংঙাইমা পানবা শুই।

———

নীংশিংজনীংবা।

জ্যোতিঃ পত্রিকা থোক্লবগী মরমদা পুক্লিং হকচাং অমসুং শেল তিংথোকপদা হালেংত্রবা সংস্কৃত পরিষদকী সহকারী সম্পাদক শ্রীযুক্ত শিবদত্ত শর্ম্মা তর্ক তর্কতীর্থদগী পরিষদনা জ্যোতি অসি হিংননবগী ৱাখল মথোং শাংবা মশাগী থৌরমগা চানবা মীচং অমা য়েংতনা মাসিগী থবক পুন্নমক শিন্নথোক্লিংলে হায়বা থঙজরে অমসুং ঐখু মত্তম শরুক্ মতৌম্ চাবা সম্পাদক অমা চোংথোরক্লি-বা ফাওবা মাসিগী সম্পাদন তৌবগী থবক পুখো হায়না তাকপিবদা য়াম্না কিনা অমসুং পান্না থবক অসি লৌজে— মরমদি অহানবদা ঐহাক্কি থবক অসিগী মতীক চাবা মী নত্তে, অনীশুবদা কুইনা নাক্লবদগী হৌজিকমক লাইরিক ইবগী থবক তৌবা ঙমজত্রি— অত্তুবু জাতীয় সাহিত্যগী মরমদা করিগুম্বা অম ংং তৌজৌ হায়বদা "মাই" হায়জবা ঙমদে অমসুং হায়জনীংদে; মরম অসিমক্তনা অরুবা থবক অসি তৌগে য়াজবনি। হান্নগী সম্পাদকনা মশাগী অৱাবা কোঙ্গায় থৌশাদনা মরম্ন্াই থবক কোঙ্গায় থাদোক্লুনা পুক্লিং হকচাং য়াওনা থবক অসি অমসুং মাগা মরী লৈনবা থবক পুন্নমক পুবিরকপনা "জ্যোতিঃ" অসি ঙসি ফাওবা হিংসল্লিবনি হায়বা খাইনসু থঙবিরি। মাসি মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসদা কাউবা য়াবা পোৎ নত্তে। মথংদা "জ্যোতিঃ" হিংনবগী মরীদা দেশ হিতৈষী সাহিত্য সেবী পণ্ডিতরাজ শ্রীযুক্ত অতোম্বাপু শর্ম্মা বিদ্যারত্ন গবেষণা শিরোমণিনা নিস্বার্থ সাহায্য পীনবিতুনা জাতীয় সাহিত্য চাওখৎনবগী হোৎনখিবা অমসুং তেংবাংখিবগীদমক ধন্যবাদ তৌদবা ঙমদে। "জাতীয় সাহিত্যনা জাতি অমগী মিংশেল্লি; মসিমক্তা জাতি অত্তুগী চাওখৎপগী খুদম অমসুং চাওখৎনবগী পাৱৈনি" হায়বা উৎপিরবা "জ্যোতি"গী লেখক গ্রাহক অমসুং পৃষ্টপোষক ওইবিরিবা স্বদেশ প্রেমী ওইবা ভদ্রলোক পুন্নমকপু আন্তরিক ধন্যবাদ তৌজতুনা অমসুং খুরুমজতুনা ঙসি থবক অসি পায়খৎচরে— মথোইগী মতেং অমসুং থৌগৎপিবা নত্তনা মাসি পাংথোকপা ওইথোক্লবনি। মতম্না থরদং খুয়োনমনখিবনা সম্পাদন তৌবগী মরমদা লৈবা দোষ পুন্নমক পাঠক মহোদয়শিংনা ঙাকপিগনি হায়না আশা তৌজে। অরোইবদা জ্যোতিগী অসুম্বা লুরবা তানফম অসিদা মাগী থবক পুন্নমক পুবিগনি হায়না য়াবিরিবা লৈবাক পুন্নমক্তা খঙনরবা অক্লান্ত স্বাদশ সেবী ওইরবা "ঙসি" পত্রিকাগী সম্পাদক শ্রীযুক্ত কুঞ্জবিহারী সিংহবু ধন্যবাদ অমসুং সদর সম্ভাষণ তৌজে। হৌজিক অরোইবা আশা হায়ববু মহাক্কী হৈ-শিংলবা খুজিল অমসুং থৌরাংদগী মাতৃভাষা উদ্বোধিনী পত্রিকা অসিতংগা মহাক্কী ফাওরবা দৈনিক পত্রিকা "ঙসি"গী মতৌগুম পুন্সিবা ওইসনু।

অৱাবা অমনা— অয়াম্বা লেখক্কী ফর-ফরবা প্রবন্ধগী মফম, ময়াং কংলবা জ্যোতিনা পীবা ঙমত্রে; মতম অচাবদা ফোংনবগী আশা তৌজরি।

তাং ১৮। ৯। ৪৯ ইং।

---

* "জ্যোতিঃ" ১বা বর্ষ, ১১ শুবা মশীং, ২০-আশ্বিন, শকাব্দ ১৮৭১, ৭ ওক্টোবর '৪৯ দা সম্পাদকীয় ওইনা ফোংখিবনি।

রাহৌদোক

হৌজিক অসি ক্রেক লাউবা য়াত্রবা যুগনি—ক্রুক হায়না খোম্বাং হেক্তা য়ৈরবনি। তৌইগুম্বসুং কন থীন্দুনা, কন য়ৈহনা লাউহনসু মীতৈ সাহিত্যগী খোম্বাংদদি য়ৈরকপা তাত্রে। "ডিমোক্রেসিগী" যুগনি— পুন্নমক কাওবু কাওবু লেপ্তনা ফি ওম্না শেম্নরে। য়াজনীতি ক্ষেত্রদা লৈবশিংনা মাগী মাগী কাওবু শেম্নে—মী খোম্নরে—ভোট লৈনরে। ইউনিয়ানগী জাৎ—সিণ্ডিকেটকী জাৎনা রাই চাইরে। হৌজিক ফাওবদা রাৎলিবা 'এসোসিয়েসন'গী জাৎকী মমুংদা রাইটার্স" নত্রগা লেখকী সঙ্ঘ অমা রাৎলিরগুম উই। অদুনা প্রবন্ধ লেখকা, ✓নবদ্বিপচন্দ্র সিংহ অমসুং ✓হিজম অঙাংহল সিংহ অহন্না অহানবা সাহিত্য পরিষদ অমতং থম্নবা লাক্লথি। মতুমক হৌজিক ফাওবা মীতৈ সাহিত্যগী লমদা থবক তৌরি। তৌইগুম্বসুং মাহুনসু ঐখোইগী লেখক লেখিকাশিংগী নৈনবা, ইব অমসুং ফোংবগী মরমদা শীন্না য়াফম থোক্তি। অদুনা ওসি ঐখোইগী তরুণ লেখক লেখিকাশিং মাতুগীদমক অনৌবা উত্তম অমা তৌরকপা অসি ঐখোই মীতৈ জাতিগী অফবা নত্তনা অমাওবা ওইরোই। ঐখোই অহন্নোন্দগী থোক্তবা অদু নহারোম্না পুথোকপা অসি থাঙ্গৈশেংনমক থাগৎনফম্নি মখোইগী উত্তম অসিনা তৎত্রবদি তুংদা মীতৈ সাহিত্যসু ঐখোইগী অপাম্বা থাক অদু য়োৎক্লো হায়বসু কনানা হায়গনি। ঐখোইনা ঈশ্বরদা প্রার্থনা তৌজরিবদি—মখোইনা তত্তনা মাতৃভূমি অমসুং মাতৃভাষাগী সেবা তৌবা অমসুং দেশগী থবক্তা মায়রোং য়াবা ওইসনু। জয় হিন্দ—

তাং ১৩।৭।৪৭ ইং

পুকচেল তিংবা

পুকচেল তিংবনা চাউখৎনবগী অথোইবা লম্বীনি। কনাগুম্বনা অরানবা পাম্বনা মীবু নমথাক তৌথুনা খরদং তোংজবা ফংবা উইদি হায়রবু তৌইগুম্বসুং মখোয়গী তোংজবা অথুদি কুইনা লৈতে; মখোয়গী নমথাক অথু থুনা ফোংদোরকই; মৈবু ফিনা কুপথুনা থম্বা য়াদবগুম্না মখোয়গী লৌনম অথুসু কুইনা কুমথুনা থম্বা য়াদে। মাথু মতমগী মতুংইন্না হেক হেক ফোংদোক্লকপদা কনানসু মাবু থাজদে। মরম অথুনা মীনমথুনা মাগী খর ওইজবা অথু মমৈদা মহাক-মক্কী মাংনবতা ওইরে। চুমদবা পাম্বনা তানবা শেলদি চুমদবা থবক্তা চৎখিবা মহৌশানি। অরানবা থবক তৌদনা ফংবা শেল অথু কান্নদবা থবক্তা চৎখিথুনা মপুন্নী চুপ্পা অরাবা অমসুং ঈকাইবা নংথুনা বানা মতম লেনবা মী অসি ঐখোয়না তাইবংপানবা অসিদা তত্তনা উবা ফংই। মরম অথুনা ফত্তবা পাম্বনা ওইজবা ফংবা অসি ওইজবা নত্তে, অমাঙবনি।

পুকচেল তিংবা মী হায়বা অসি ঈকাই খুম্নবগী মফম্নি। হৌজিক অসিদা মখল মথা অয়াম্বা মরম্না পুকচেল তিংবগী থবক অসি য়াম্না রাৎপা উরবসু, পুকচেল তিংবগী ঈকাই খুম্নবা লৈত্রে হায়বদি য়াদে, পুকচেল খোয়বা নিপা অথুসু পুকচেল তিংবা মীবু ঈকাই খুম্নদবা ঙমদে। মরম অথুনা পুকচেল তিংবা মীনা তৌবা থবক অথুদি মী পুম্নমক্কী নুংশিবা অমসুং মতেং ফংথুনা থবক্কী মহৈ য়ানবা ঙমই। নিংথৌগী থবক্তবু ওইরবসু, লল্লোন ইতিকপগী হিরমদবু ওইরবসু, পুকচেল তিংবা নত্তনা কনাসু চাউখৎপা ঙমদে। পুকচেল তিংবা মপুগী থবক তৌবা নিপা অথুতবু মপুনা চানবনি অমসুং মহাক্তনা চাউখৎপা ঙম্বনি। মথক্তা হায়খ্রে, মৈবু ফিনা কুপথুনা থম্বা য়াদবগুম্না, মপুবু য়াহন্নবনি হায়থুনা মবুংঙোগী মিত্তা উফুল চাইনবা হোৎনবা অথুদি কদৌঙৈদসু তুংকোইবা য়াদে। মরম অদনা মশাগী ফনবনি হায়থুনা হোৎনক্লরবা অথুনা মমৈদা মাংনবা ওইথুনা মপুন্নী চুপ্পা অরাবা ফংই। লল্লোন ইতিকপগী মরমদসু অসি মঙায়—পুকচেল তিংবা মীতবু মীনা থাজবনি অনসুং মীনা মহাক্তগা কারবার তৌমিন্ননীংবনি। মরম অথুনা থবক পাংথোকহনবা য়াথুনা তাইবংপানবা অসিদা মহাক্তনা চাউখৎপা ঙম্মী।

নখোয় লাইরিক তম্বা মচাগীসু অথু মঙায়; নখোয়না হিরম খুদিংমক্তা পুকচেল শেংবা তমগদবনি। নখোয়গী মরক্তা খন্নরা ওঝানা চাংয়েংবা মতমদা ওঝাবু নমথাক তৌগদবগী লাক্লে। কনানা পরীক্ষাগী মতমদা লোম্না লাইরিক পুশেমথুনা শিন্নবা খুজিন তৌই; কনানা কাদবা শরুক অথু শিন্দুনা পুশেমই; কনানা খণ্ডবা শরুক অথু অতোপ্পা অখণ্ডবা অঙাং অমনা ইবদগী শিন্নবা লাক্লে। তৌইগুম্বসুং পুন্নমক অরেম্বনি। নশানদি খঙদনা অখণ্ডবা শাবা অথু য়া কুইনা থুপথুনা থম্বা য়াগনি? মতম অয়াম্বদা নংগী মীনম্বা নতাং অথু ফংলথুনা পরীক্ষা

---

* সাহিত্য মরোলদগী লৌথোকচবা, লমাই ১/৩

ওমদহনস্থ তোকই—অমসুং মপুল্লীচুম্না ঈকাইবা ঘংচনা মাংহনা তোকপস্থ য়াওই। নংনা ওঝাদগী নাল্নোকপমক ফংলবস্থ মাহনা নংগী করি ওইজবা লৈবগে? নংনা পরীক্ষা অস্থমদি ওয়ো—তৌইগুমস্থং নশাগী নাইদি করিস্থ লৈরোই। মথাগী শ্রেণী ডক্টরশিস্থ মতিক চাদনা মথক্তা কাবা ভারবদি মকম অত্থা ওঝানা তাকপীবা অস্থ নংদি করিস্থ খঙবা ঙম্নরোই; অস্থুম তৌহনা নংগী তাঙলবা নপুল্লী অস্থ অরেম্বদা মাওগনি। অরানবা পাৎ তৌহনা মথক্তা কাগদবগী শরুকপুদি মথাগী ওমগদবা হিরম অস্থ নশানা গুন্নবা হোৎনবা অদুনা নংগী তোঙজবনি।

ডাকঘর, টেলিগ্রাম অমসুং রেডিও।

বৃটিশ গবর্ণমেন্টনা ভারতবর্ষদা হৌদোকশিরবা কাম্নবা হিরম পুম্নমক্কী মরক্তা ডাক অমস্থং টেলিগ্রাফকী নিয়ম অসিস্থ অথোইবা অমনি। মশিগী মমাঙদদি চিটিনচিংবা অসি মীদা থানরম্মী। মস্থদি মতম অমস্থং শেল য়াম্না চংডি। মস্থগী মতুংদা দিল্লীগী নিংথৌরেল শের সাহনা পানবা মতমদা শগোলনা চিঠি পুবগী নিয়ম হৌদোকই; তৌইগুমস্থং মস্থস্থ নীংবা থুংনা হোঙবা অমস্থং থুংবা ওমখিদে। মতুংদা বৃটিশ গবর্ণমেন্টনা ভারতবর্ষদা লাক্লবা মতমদা লর্ড ড্যালহৌসীনা অহোঙবা ডাকী নিয়ম অসি ভারস্তা হৌদোকই। মস্থদগী হৌহনা ডাক অমস্থং টেলিগ্রাফকী নিয়ম অসি ভারস্তা য়াম্না চাউখৎলে। হৌজিক্তি নয়া পৈসা মঙাদং পীবা পোষ্টকার্ড অমদা নংনা ভারতকী করিগুম্বা মকম অমদা থানিংবা পাউ থাবা য়াদে। মস্নোল য়াম্বা অমস্থং অশাংবা চিঠি থানবগী পুথক থাওগী মমলস্থ নয়া পৈসা ১৫ তনি।

ডাকঘরদা চিঠি থাদোক থাজিনগী থবক্তা নত্তনা অতৈ য়াম্না কাম্নরবা থবক কয়ামকমস্থ তৌরি। অরাপ্পদা লৈবা মরুপ মপাংদা শেল-থুম পীনিংবা লৈরবস্থ ডাকঘরদা মণিওর্ডর তৌহনা থাবা য়াই। মস্থগী শেলস্থ য়াম্না তিংদে। লুপা ১০, ফাওবা থাবদা নয়া পৈসা ১৫ তা চঙই। করিগুম্বা থুনা ফংহল্লিংবা লৈরবস্থ টেলিগ্রাফ তৌহনা থাবা য়াই। অরুবা অমস্থং মমল য়াম্বা চিঠি, মণি-মুক্তানচিংবা মমল য়াম্বা পোৎ থানবা রেজিষ্ট্রেসন, ইনসিওরেন্স তৌবগী নিয়মস্থ পুংনরি; ইনস্থিওর তৌবা পোৎ চৈ অস্থ করিগুম্বা মাঙ তাখিবা থোক্রবদি ডাকঘরনা মস্থগী মমল অস্থ শিংই।

---

* সাহিত্য মযোলদগী লৌথোকপা, লমাই ৫৪/৫৬

প্রজাশিংনা শেল তুংশিন্নবদা খুদোং চান্নবা হায়রগনা গবর্ণমেণ্টনা ডকাঘরদা সেভিংস ব্যাঙ্ক থম্মিরি। মসিদা ।০ সিকি অমদগীনা লুপা ১০,০০০\, ফাওবা থমজিনবা য়াই। অহানবা থমজিল্লুবা শেল তাত্তুগী মথক্তা লাইরবশিংস্থ মখোয়গী লেমজবা শেল থর থর অহু হাপচিনজবা য়াই; অমসুং শেল থমজরিবা মী অহুনা মখোয়গী কাক্কাদবা মতুং ইন্না শেল লৌথোকপস্থ য়াই। সেভিংস ব্যাঙ্কতা থম্নবদি শেল অহু মাঙবস্থ লৈত্রে। অহুগা সরকারদগী শেন্দোইস্থ থর থর ফংই।

ভারতকী অচৌ অচৌবা সহর পুম্নমক অসি হৌজিক্কি টেলিগ্রাম য়োংলিনা পুম্নশম শল্লে। মসিনা য়াম্না থাপ্না লৈবাক্কী পাউস্থ মিতুপ অমতদা তা বা ফংলে। অস্থন্না ডাক অমসুং টেলিগ্রাফকী থবক অসিনা মীওইবগী খুংঙাই য়াইফবা অমসুং লল্লোন ইতিকী খুদোং চাবা কয়া চাউথংহল্লবা হায়বা অহু নখোয়স্থ খঙলরিগনি।

অরাপ্পদা লৈবা মরূপ মপাংগা টেলিফোন্দা বারী রাতাই শাবা য়াই। মসি থবক থানাগী মরমদা য়াম্না খুদোং চাবা অমসুং অংকপা অমনি। তৌইগুম্বস্থং হৌজিক্কি য়োংলী য়াওদবা টেলিগ্রাফ অমসুং টেলিফোন অমস্থ অমুক চংনরক্লে। ভারতকী অচৌ অচৌবা সহরদা হৌজিক লাম্নীগী অমসুং আফিসকী মরমগী পাউ পুনবদমক য়োংলী য়াওদবা টেলিগ্রাফকী ষ্টেসন লিংখৎলে। মসিগী মথক্তা হৌজিক রেডিও নত্রগা য়োংলী য়াওদবা টেলিফোননা মীওইবগী পাউ তাথোক তাশিনগী মরমদা অনৌবা যুগ অমা অমুক পুরক্লে। হৌজিক ইউরোপ অমসুং আমেরিকাগী অচৌবা সহর অয়াম্বদা ব্রোডকাষ্টিং ষ্টেসন লিংখৎলে; মসিনা মাইল চামা চামা থাপ্লা মফমদা তৌবা বক্তৃতা, কনসার্ট, ইশৈনচিংবা তাবা ফংনরে। মসি পুথোকপা মারকোনি সাহেবনা হায়রি—চহি ৩/৪গী মমুংদদি মহাদেশ তোঙান তোঙানবদা লৈবা মীশিংস্থ ময়ুম ময়ুমদা ফমহুনা বারী শানবা য়ারগনি। ঐখোয়গী ভারতবর্ষদস্থ গবর্ণমেন্টনা ব্রোডকাষ্টিংগী থবক অসি চাউথৎনবা পুক্কিং চঙবিরে। অদুনা ঐখোয়গী অসিগুম্বা মতম অমা লাকপা য়ারে— নংনা নংগী শ্রেণীগী কাদা ফমহুনা আমেরিকাদা তৌবা বক্তৃতা নত্রগা বিলাতকী পার্লিয়ামেন্টদা মহারাণীনা ঙাংবা রা ফাওবা তাবা ফংলরগনি।

মহরম

[মহাপুরুষ হজরত মহম্মদনা শিরবা মতুংদা— মহাত্মা আবুবক্কর, অমর, ওসমান অমসুং আলিনা মথং মথং খালিফাগী ফম অসি লৈখৎলম্মী। মহাত্মা আলিনা শিরবা মতুংদা মহাক্কী মচা অহল মহাত্মা এমাম হাসাননা মদিনাগী অমুগা মাবিয়ানা দামস্কসগী খালিফা ওইরে। তৌইগুম্বসুং মতম অমুদা মুসলমানশিংগী মরক্তা ৱাথোক লানথোক্লগনি হায়বগী চিংনবনা হাসাননা মাবিয়াবু খালিফানি হায়না য়াখি অমসুং শন্দোকখি, অদুগা হায়রম্বতদি মাবিয়ানা শিরবা তুংদা এমাম হাসানগী মনাও অতোপ্পা এমাম হোসেননা খালিফা ওইগনি হায়নখি। অদুম্মা হায়নদুনা হাসাননা মদিনাদা লৈখি। মাবিয়াগী মচা এজিদনা হু পীজদুনা হাসানবু হাৎলে। মাবিয়ানা শিরমদাইদা মমাংগী সন্ধিগী ৱাসু হায়রমত্রে— অদুনা মানা শিরবা মতুংদা এজিদনা মপাগী ফম অদু ফংলে। হোসেনদি কাল অদুদা মদিনাদা লৈরম্মী। এজিদনা ওৎপা থাওবা ঙমত্রদুনা মহাক মথং মথং মক্কা অমসুং ইরাক্তা চেনখি। ইরাকী মীশিংনা অহানবদদি মহাকপু খালিফানি হায়না অমসুং মহাক্কী মতেং পাংগনি হায়না য়াখি, তৌইগুম্বসুং মতুংদদি মাদু থোকখিদ্রে। অসোমদা এজিদনা হোসেনগী মথক্তা লাল্লানবা লাম্মী থারক্রে হোসেননা পাম্বৈ লৈত্রদুনা মহাক্কী পরিবার পুন্নমক্কা লোয়নননা ইরাককী মখুংদা লৈবা কারবালা হায়বা মফমদা লাকলে। এজিদকী লাম্মীনা কারবালাগী মনাক্তা লৈবা ফোরাত হায়বা তুরেল অদু কোয়শিন্দুনা থমখিগনা হোসেনগী পরিবার অমসুং লোয়নননা পুন্নমক চাক্লবা মরুভূমি অদুদা ঈশিং ফংদদুনা ওন্দুনা শিখি। শিরমদাইদা পুন্নমক্কী মচিন্দা অতৈ হায়বা লৈখিদে— ঈশিং মরীক অমতং, ঈশিং মরীক অমতং হায়বা খোঞ্জেল্লা কারবালাগী অতিয়া অদু থনখিরম্মি। অকনবা লান শোক্লরবা মতুংদা এমাম হোসেনসু সুংশি হৈত্রবা সীমারগী মখুত্তা থরাই থাখি।]

য়েক্লবগী লাম্মী পুন্নমক মরু ফংনা মাঙহল্লমলগা হোসেননা ফোরাত তুরেলগী তোর্বান তম্না শগোল থৌরক্রে। ফোরাত ঙাক্লম্বা লাম্মী পুন্নমক হোসেনগী মাঙদা লেপ্লা ঙমত্রে, পুন্নমক শমজি খাইদুনা চেল্লগ্রে কনানা ঈশিংদা চোংথদুনা, কনানা জঙল্দা চেন্দুনা লোৎনগ্রে; ফোরাত তুরেল অদু ঈনা ঈশিং ওইনা চেনগ্রে। হৌজিক্তা লানগী খোঞ্জেল্লা মাইকৈ তরামক পুম্নিন নিল্লম্বা কারবালাগী লম্পাক অদ, পুমচীক চীকগ্রে— মরক মরক্তা শিগদোরবা কনাগুম্বগী নাহেবগী পিক্লবা খোঞ্জেল অম্মা অনী তাবমথৈত্তা মঙাৱরে। য়েক্লবগা অকনবা লান থেংনরম্বদগী কাউক্লরবা থৌরাংবগী মৈচাক অদ, হৌজিক হোসেনদা শরুক অনী হেম্না ফাওবা হৌরক্রে। থাঙবা ঙমত্রবা থৌরাংবগী অকাবা অদ, কোকহনগে হায়না থল্লদনা থুনা য়াঙনা শগোলগী কুমথরে অমসুং ফোরাত তুরেলগী ঈশিং

* সাহিত্য মহোলদগী লৌথেকচবা, লমাই ৫৭'৬৪

তন্না চঙশিল্লক্লে। মাঙদা ফোরাতকী লুরবা ঈশিংনা তপ্পা তপ্পা চেনবা উবদা তুরেলগী ঈশিং পুন্নমক থকপা ঙমগদবগুম থল্লম্মি। থুনমক ঈশিংদা কুমথদনা খুজোক অমা শোক্লুনা থক্কে হায়বগী চিন্থালতন্না পুখৎলম্মি, তৌইগুম্বসু্ং অরাপ্পদা করি উদনা করি তাদনা ঈশিং খুজোক অদ তন্না কোবাতকী ঈশিংদা চাইথোকলে। মমাঙগী অর্বালা শকক্তম পুন্নমক উবগুম নীংলে— মহাক্কী মী পুন্নমক্লা ঈশিং ফংদবদগী অৱাবনা লৈমায়দা ওন্দুনা শিখিবা— কাসেম আলি, আকবর অমসু্ং মাগী খোম্ব থক্লিবা অঙাং অতৈ কয়ানা খৌরাংবগী মৈচাক্লা ওৎথোইদুনা থাঙখিবা— পুন্নমক মথং মথং মমিত্তা উবগুম নীংলে। মমাঙগী অৱাবগী খোজেল পুন্নমক অমুক তাবগুম নীংলে— "ঈশিং মরীক অমতং" খুদক অতুমক্তদা হোসেননা থল্লকই "ঐগী পরিবার, বন্ধু-বান্ধব, ইচা ইনাও পুন্নমক ঈশিং অসিগীদমক থরায় থাগ্রে— ঈশিং অসিগীদমক্তা ঐগী মীমখৈ য়েক্লবগী মথুত্তা মথরাই মাঙগ্রে; হৌজিক ফোরাত তুরেল য়ৌরবা অসিদা ঐনা ফোরাতকী ঈশিং অসি থকখিগদ্রা? ঙম্মোই, ঐ পুন্সি অসিদা ঈশিং থকপা ঙম্মরোই।"

অসি থন্দুনা হোসেন অহু ফোরাতকী তোর্বানতন্না কাখৎলক্লে অমসু্ং মশাগী লৈতেং অমসু্ং খুৎলাই পুন্নমক অমমম ওইনা লৌথোক্লুনা হুন্দোক্লক্লে অমসু্ং মিৎয়েং অমত্তা ওইনা ফোরাত লোমদা য়েংবা হৌরক্লে। অরাপ্পদা আবদুল্লা জেয়াদ, ওমর, সীমার অমসু্ং অতৈ লাম্মী থরনা হোসেননা তৌরিবা অবস্থা উরে অমসু্ং থুনা চেম্থোরক্লুনা হোসেনবু কোয়শিল্লে। খুৎলাই পাইবা য়েক্লবনা কোয়শিল্লে হায়বা উরমক্তদসু হোসেননা ৱা অমত্তা ঙাংবা তৌখিদে— মহাক্কী পুমহাঙ হাংলবা পুক্লিং অদদা করি ৱাথল থল্লিবা, মহাক অমসু্ং খোদাক্তনা থঙগদবা মঙায়রে। মহাক্লা ৱাথল তৌরদনা মথকলোমদা অমুক্তং য়েংখৎলম্নগা নারকতমনা চৎকে হায়বগী মতাগুম খোঙকাপ অমা অনী মাঙলোমদা চংশিল্লম্মি। মতম অদদা জেয়াদনা তুংলোমদগী হোসেনগী নঙ্গল তমদনা হু চেনবা থৌরবা তেন অমা কাপলকই; তেন অদ হোসেনগী ওয়থংবা নাকন্দা খেৎতুনা চৎখিরম্মি, মাগী হকচাংদা পানখিদে। মাদমক্তদসু হোসেননা হন্না য়েংবা তৌখিদে মতুংদা মায়কৈ মরিমক্তগী অতৎ অথম্ব লৈতনা তেন কাপশিনবা হৌরক্লে, তৌইগুম্বসু্ং তেন অমত্তা ফাওবা এমামগী মশাদা পানবা তৌখিদে। মসি উবদা ঙক্লদনা সীমারনা জেয়াদকী মথুৎতগী লীকং তেন লৌরদনা হোসেনগী নঙ্গল তন্না অমুক কাপ্পকই। তেন অদনা নঙ্গন্দগী খৌরীদা ফাওদনা চৎখিরম্মি। মদদসু ৱাথল অমদা লুপখিবনা হোসেনগী মশাদা ফাওবা লৈখিদে। চৎনা চৎনা খৌরীগী অশোকপা মফম অদদা অমুক্তং নাল্লম্মি—অশোকপা মফমদগী ঈ শিম্থবা অহু উরগা ঙাইহাক্তং ঙক্লম্মি। য়েংথোকখিনদা মায়কৈ মরিদা আবদুল্লা, জেয়াদ, ওমর সীমার অমসু্ং য়েক্লবগী লাম্মী অতৈ অতৈ উবদা ঙমখৈ লৈৎনা ঙকখি। ঙাইহাক ৱাথল তৌরগা খোঙকাপ থরা চংশিল্লম্মি। য়েক্লবশিং অহুসু কায়দনা ইন্নরম্মি। অহুন্না থরদং চৎলগা করি ৱাথল তৌরদনা অতিয়াদা অমুক অনীরক চিংনা চিংনা য়েংলম্নগা এমাম অদ লৈমায়থক্তা তুখিরম্মি।

মাদ উনা উনা কনাসু হোসেনগী মনাক্তা চংবা ঙমখিদে; মরমদি সীমারবগী আচম্বা তেন

অদ্দুনা পানবদা এমামগী থবায় থাগনি হায়বা অসি কনান্থ থাজবা ওম্মদে। খোঙকাপ অন্নী মরিদং থাংজিল্লগা অমুক চংশিনবা ঙমখিদে। মত্থু উদ্দুনা সীমারনা হায়রকই "জেয়াদ! থৌনা ফবা হায়ববু নহাক অমনি, চংশিল্লো হোসেনগী মওক ককল্লুরো; হোসেন শিহৌরে হায়বতনা এজিদতগী মনা ফংবা য়ারোই।"

জেয়াদনা খুমকই "হোসেনগী মওক ককপদা ঐগী খুৎ অসি লেঙদনা থম্বা ওয়োই— ঐগী খুৎ শোইদনা নিঙ্গনি— ঐ মত্থু তৌবা ঙম্মোই।"

মদুদগী সীমারনা অলীদপু কৌদুনা হায়বকই "অলীদ! নংগী করি হায়গদবা লৈরা? হোসেনগী মওক ককল্লুরো।"

অলীদনা খুমকই "হোসেনগী মফমদা ঐগী তৌগদবা হেন্না তৌরে। এজিদকী শেল লৌরুবদগী কারবালা লম্পাক্তা ঐনা তৌরুরিবা অসি মুমিৎন' থানা লৈরিবমখৈ মীওইবগী থম্মোযদা য়েকুনা লৈংাগদবনি। ঐদি হোসেনগী মওক ককপস্থ ওয়োই, লুপা লাক্ক অমা মনা ফংলবস্থ পামজদে।"

অসি তাবদা সীমারনা হায়রকই "নখোযগী থৌনা উরে ঐ তৌগে য়েংউ।"

অসি হায়দুনা সীমারনা খঞ্জর পাযদুনা হোসেনগী মনাক্তা চংশিনখ্রে অমস্থং ভুদুনা লৈরিবা এমামগী মথক্তা কাখৎলম্মি। অদ্দু ফাওবা হোসেনগী মথবায়দি লাল্লমত্রি হৌগৎনবা পাঙ্গলদি লৈরে হায়বমখৈতনি। মিৎ পাংথোরকপদা সীমারবু উবদুনা হোসেননা হায়রকই "সীমার। নংস্থ ঈশ্বরনা শেম্বা জীবনি—ঐগী থবাক্তা নংনা নেৎলবকো। মুরণবী মহম্মদকী মত লৌরবা নংনা এমামগী থবাক্তা নখোংনা নেৎলবা! নংবু লাইরৈবাক্কী অকিবা লৈত্রবরা; নংবু পাপ পুম্নগী রাখল লৈত্রবরা?

সীমারনা খুমকই "ঐওোন্দা পাপকী অকিবা উৎলিবা—সীমারদি মদ্দু কিদে; মাসে লুপা লাক্ক ফংগদবা থবক্নি। নংনা পরকালগী বা হাযদুনা নশা কন্নবা ঐবু কিহন্নবা লাক্নবা শারি, ঐদি মদ্দু থাজদে। মুরণবী মহম্মদ হায়বনা কনানো? ঐদি মাবু খঙদে।"

মত্থু তাবদা এমামনা হায়রকই "সীমার ঐবু শিগদবা মতম কুইত্রে, হু চেল্লবা তেন অসিগী চৈনাথোন্না ঐ য়ান্না বারে; নং অমুকং ঐগী থবাক অসিদগী কুমথো—অমুক্তা মুংশাশোর নিংথিনা হোনখিগে। ওসি কারবালাগী লম্পাক অসিদা হোসেনগী জীবন লীলা লোয়গদবনি। ঐগী থবায অসিনা মপান হেক থোকখিবগা নংনা নীংবতা তৌ। সীমার ঐবু অমুক্তা শোর নিংথিনা হোলহনবিয়ু।

সীমারনা খুমকই— "ঐনা নথবাক্তা ফল্লিবা অসি নংক ককত্রিবমখৈ হৌগৎলোইদবনি অতৈ হায়গে হায়বা হায়জো—ঐ কদৌঙৈদস্থ হৌগৎলোই।"

এমামনা হায়রকই—"সীমার, শোর অমুক্তা হোনখিগে। মিকুপ অমতা মঙায়রে; নংনা ঐগী গুরু কাক্ক অমা হৌগে তৌ—নংবু আশীর্বাদ তৌরি—মসি তৌদুনা নং পৃথিবীদা নমিং চুৎকনি'

ভাইহাক্তা ভাইথো; অৱাবগী মথক্তা অৱাবা পীদ্না করি কাম্নবা লৈবগে? হৌজিকমক ঐগী থৱায় থারগদবনি।

সীমারনা অমুক পনবা তৌদনা হোসেনগী মঙক্তা থৌরবা খঞ্জর অতুনা লেনবা হৌরে। ভৌইগুম্নদুং শম্না অমা কাওবা চংদবা উত্নুনা সীমার অত্ ভমখৈ লৈতনা ভকখি।

হোসেননা সীমারদা য়েংলদুনা হায়রকই "সীমার, ঐগী ইবুধৌনা হিংলিঙৈদা মুংশিবিদুনা মফম অত্দা ঐবু চুপ্লিখি; অদ্না নংগী খুৎলাই অদ্ অদ্দা চংবা য়ারোই। হৌজিক ঐহাক নংনা ঐগী কোক ককনীংলিবা অদ্ অমুক থিংবা তৌরোই। নংগী খুৎলাই অদ্ ঐগী তেম্না পাল্লিবা মফম অদ্দা থাউ নম্রবদি নংনা হোৎনল্লিবা অদ্ অরেম্বদা তাগনি। সীমারনা হোসেননা হায়বা মতুং ইন্না অশোকপা মফম অদ্দা খঞ্জর অদ্ থম্বমত্তদা হোসেনগী হৃবচাংগা ভকো তোভাম্না তাথি। মাইকৈ তরাদগী আকাশ, পাতাল, চীং, তম, সমুদ্র ফাওদুনা অৱাবা খোঞ্জেল থোকখিরম্মি। সীমারনা কিবনা নীক্ন-নীক্নদুনা এগামগী ভক অদ্ পুদ্না চংখি।

'সভাপতিগী ৱারোল'

ভসি ময়াম্না ঐবু মতিক চাদনা সভাপতি খনবিরে— ঐদি ইশানা লৈবাক্কী থবক তৌবা ভনদ্রনমু লৈবাক্কী মঙ্গল ওইবদি পামজে হৌজিক ভারতকী মনিং-মথা ভম্বগী মুমিৎ আগষ্ট ১৫ হায়বদ্ নকলে ভারত স্বাধীন ওইরগনি ঐখোয় ভারত মচা পুম্নমক মতমগা মতিক চাবা, স্বাধীন ওইবদা মতিক চাবা মী ওইগদবনি— মমাংঙৈদদি অঙকপা অমনা ভাকুনা ঐখোয়না মমুংগী পাম্নবা শীন-লাংবদগী হেন্না অতৈ তৌরমদবনি হৌজিক্তি ঐখোয় ইশানা ঐখোয়গী শাসন তৌজরগদবনি— মণিপুর অসি ভারত নোংপোক থংবা ওয়ইখেম্নি অদ্না ভারতকী মরমদা ঐখোয়গী তৌগদবস্ত অরায়বা নত্তে।

ঐখোয় পুম্নমক ভারত অপুম্বগা মাম্নবা পুখন্না মতিক চাবা ভারতবাসী অমা ওইদবা য়াত্রবনি — ঐখোয় পুম্নমক রাজনীতিদা, অর্থনীতিদা, খুৎ-শা হৈবগী থবক্তা, সাহিত্যগী লমদা হিরম পুম্নমক্তা চাওখৎনবা হোৎনদবা য়াত্রি— হৌজিক্তি পঙশিন্দুনা লৈবগী মতম নাত্রে ঐখোয়গী লাকদৌরিবা লোনগী মরমদা অৱাবা কোক্নবা পুম্নমক হিন্দি তম্বা মতম ওইরে লাইব্রেরী ক্রবনচিংবা থমদ্না লৈবাক্কী চাওখৎনবা অমসুং চাওখৎনবা থম্নবগী হোৎনদবা য়াত্রে মী পুম্নমক লাইরিক লাইশু তনদ্না সাধারন-শিক্ষা চাওখৎনবা হোৎনগদবনি— মাসি ঐনা ভসি ময়ামদা আপীল তৌজনীংই অতৈ ঐগী হায়জনীংঙাই লৈতে ময়াম পুম্নমক লীচিং অমত্তা ওইদ্না মণিপুর মাতাগী চাওখৎনবা হোৎনবা অসি ঐখোয়গী ইথৌনি— মসিদা ঐ মন্তব্য অসি লোইজরগে।

---

* কবি মশানা ইরম্বা খুৎইদগী লৌথোকচবনি।

'মণিপুরী নাটক/ড্রমাগী য়ায়োল থয়া'

ভারতকী নাটকনা মতমগী লীলাগী ফম্বাক্তা কাখিবা অসি য়াম্না কুইত্রি হায়বদা থোইন লাবা থোক্রোই। মমাংদদি যাত্রাগী মওংদা শান্নবা লীলানা ভারতকী মীশিংগী অথোইবা কুম্মে ওইরম্মি। চাওখৎলবা বাঙ্গালা লোলগী নাটকমা ষ্টেজ য়োবা অসি খৃষ্টাব্দ ১৮৫৭ কী মতুংদনি। লোল অতৈদি মাসিগী মতুংদা ওইগনি হায়না লৌবা য়াই। মতম অমস্তুং মফমনচিংবগা চাংদম্নরবদি মৈতৈ নাটকতি থুনবু চাওখৎলি হায়না য়াই; মরমদি মাসি মীতৈগী হরাও তয়াম পাম্বননি। খৃষ্টাব্দ ১৯০৮ গী অহুবাইদা মীতৈগী অহানবা সভাপর্ব্ব শান্নে; মতুংদস্থু মাসিমক ৩/৪ রক শান্নে। মতুংদস্থু খৃষ্টাব্দ ১৯১৩ দা শ্রীযুক্ত থাইদেম নোংয়াইবাবুনা হোৎনদুনা মতমগী অপাম্বগা চান্নবা "পার্থ পরাজয়"গী অনুবাদ অমা শান্নে মাসিদগী মথং মথং লীলা অতৈ বাঙ্গালা লোন্দগী হন্দোক্লুনা অতোপ অতোপ্পা মফমদা শান্নরকপা হৌই। মাসিগী মমাংদদি যাত্রাগী মওং ওইনা রামলীলা, সভাপর্ব্ব, কংসলীলা অসিনচিংবা নাটক অসি বাঙ্গালা, অমস্তুং হিন্দীস্থানী লোন্দা শান্নরম্মী। হৌজিক্তি বাঙ্গালা হিন্দিদা লীলা শান্নবা অসি মৈতৈ লৈবাক্তগী চান্নবা মুৎত্রে হায়বা য়াই। গৌরলীলা, রাসনচিংবা ধর্ম্মগী অথেংবী ওইবা লীলা থয়া নত্তনা অতৈদি যাত্রাগী মওং ওইনা লীলা মশান্নরবস্থু মথোই অহু অশেংবা নাটক নত্রে, অয়াম্বদি ফাগিগী মওংদা শান্নবনি হায়বা য়াই। হৌজিক অসি মীতৈগী অশেংবা নাটক য়াম্না থোরক্রে অমস্তুং থোরক্কদৌরি হায়বা উত্তনা ঐথোইনা য়াম্না সুংঙাইরে। হৌজিকী নাট্যকারশিংগী মরক্তা শ্রীযুক্ত লালীতবাবু অমস্তুং শ্রীযুক্ত ধনচন্দ্রবাবুগী মমিং পনবা চুম্মি হায়না খল্লি। শ্রীযুক্ত লালীতবাবুগী নাটকশিং অসি মীতৈগী অশেংবনি। মহাকী নাটকী idea দগী action থয়া হেন্নবস্থু মতমগী অপাম্বগা চান্নবা ওইবনা মৈতৈরোন্দা মুত্তনা লৈরগনি। হৌজিক্তি মথক্কী ভদ্রলোক অনি অসিগা অতৈ অতৈ স্বদেশ প্রেমী ওইবা, থরগা হোৎনহুনা লেংঙ্গবা Dramatic Union Hall কৌবা শঙ অসি শাহ্লনা লম্ অসিমদি থুনা মপুং ফারনি হায়না আশা তৌনরে।

---

* কবি মশানা ইজরগী খুৎইদগী লৌথকচবনি।

মণিপুরী সাহিত্যগী সমালোচনা অমা

ইগদৌরিবা হিরম অসিদা ইরিবা idea অসি অনৌবনি মরম অদুনা থোরক্কদৌরিবা পোৎশক অদু ভাবকশিংগী নীংবা কায়ফম থোকপা য়াবা মরম য়াম্না লৈ — সন্দেশকী আশা তৌরম্বা উৎসবতা খিচুরি তৌরম্নবদি নীংবা কায়বা ময়েক্লি ; মরমদি কায়দোংফম থঙদবা নোংমদোল থক্তা পাইবা চেক্লানা কদায় অদগা শারং শীরবা শন্নাগী পোম্না কাইদনো ? অদম্রকপু বার্ণেন কৎলুরবনিনা করিগুম্বা অমত্তং ফংহনদবদি য়াদে। মতুম্তু মতম্না খুয়োনমনবনা মুনবা নংহৌদনা চেং চঙলবা মুন্দবা খিচুবি য়েনবা তাই। অমুক অমরোমদা মী অমগী পুক্লিংগী বাবু ময়ামগী মমাংদা অচুম্বনি হায়না উৎনবা লাক্লবা হায়বা অসি পরমহংস ওইবা শ্রোতা নত্রগা রসক্‌শিংদা নাওথীশাবা নত্তনা করিস্তু নত্তে। (মনিপুর সাহিত্যগী মতাং অসিদা য়া অসি পুথোকদবনি সমালোচনাগী সমালোনচকশিংগী মকমদা ঙাকিপিবা নিজবা নত্রবদি ময়েক্লা মীমাঙ ফম্বা তাই। মরম অদুনা পরিষদকী নিমন্ত্রণ মতুংইন্না মনিপুরী সাহিত্যগী করিগুম্বা মচাক অমতংগী মরমদা অথঙবা থরদং প্রবন্ধগী মওংদা ইজনবা লাক্লজরি।

লোন্দাগী মতুং ইন্না থল্লবদা ঐখোইনা চাওরাক্লা মনিপুরী সাহিত্য অসি অহুমথোক্লা থাইদোকনীংই খুন্থোকচক, খুন্দাচক, নাওদাচক। অহানবগী মতাং অসিদি মীতৈলালগী বৈদিক যুগ হায়রবস্তু য়াই, মতম অদুগী লাইশোল শৈরেংনচিংবা মৈতৈ সাহিত্যগী লোন্দাগী অঙকপা অর্থ পাকথোকপা, অপাকপা লোন্দস্তু অমতনা কোংদোকপা লোলগী লাইরিক্কী, লোলগী বৈচিত্র অথঙবশিংনা থংগনি, থঙদবা হৈত্তবা ঐখোইদি য়া কাত্তুনা য়েংবা নত্তনা গডী লৈতে। কনাগুম্বনা legend নত্রগা hymn ময়াম অদুবু সাহিত্যগী মন্নুংদা চিংশিন্নীংদবা ওই। তৌইগুম্বস্নুং ঐখোইনা মথোইদা হায়জনীংবদি— মতমগী অঙকপগী খোংচৎকী মরমদা অমুক্তা য়েংবিয়ু হৌজিক নিউটন্না থঙদবা ঐখোইনা য়াম্না থঙলে হায়বা লাম্রোই তৌইগুম্বস্নুং ঐখোইবু মাগী খুয়াগী উফুল মরীক অমগা পান্দম্নবা য়ারিব্রা ? অহানবা শতাব্দীগা কুনগুবা শতাব্দী চাংদম্নবা লাক্লবদি মহাক্তনা অপঙবনি ভারতকী নোংপোক থংবা শরুক অয়াম্বা অমম্বনা কুপ্পনা লৈরিঙৈদা মৈতৈ মচাশিংনা নোংথৈ মবিক হুন্দুনা চরিক মপাল থাত্তুনা মশাগী খুৎই পুথোক্লুনা তেংবানবা মপুবু ইরাৎচবা অমসুং পোৎশক্কী অঙকপা মরম খিক্লুনা ইরম্বসি ঐখোই কুনগুবা শতাব্দীদা পোকপগী লেমজনফম্নি। অনিগুবা মতাং অসি মীতৈলোলগী কাব্য যুগ নত্রগা Epic age হায়রবস্তু দোষ লৈরোই খল্লে, মতম অসিমক্তা মীতৈশিংনা কথা সাহিত্য, উপন্যাস, কাব্যনচিংবা নৈনবা কৌথি। মতম অদুগী পোৎথোক্লা ঐখোই মীতৈবু ঙসি তোঙানবা জাতীয় জীবন অমা পীত্তুনা মীরক তিনবা য়াহল্লিবনি। মতমসি মীতৈনা বৈষ্ণব ধর্ম্ম লৌবগা লোয়ননা মমৈ হুইরত্তুনা তোঙানবা মশক অমা ওনগদবগী লম্বীদা চংখি। মতম অদুগী পোৎথোক থরগী মন্নুংদা অনুবাদ সাহিত্য থরা নত্তনা য়ামদে— মমৈদদি অনিগুবা থাক য়োক্লরে মতম অদুদা মৈতৈ সাহিত্যবু নিন্দা তৌত্তুনা ইশাগী বাখলগী মনিংমথা তম্বা মাঙজত্তুনা জাতীয় জীবন মাঙনবগী থৌশিল কানশলজরুরে মসিদা ঐনা মতম অদুগী চাওখৎপশিং অদুবু নিন্দা তৌবা ঙম্বা পোত্তি নত্তে ; নোংপোক নোংচুপ তিন্নত্তুনা মতম অসিমক্তা লৈবাক মচা অসিমদা সভ্যতাগী অঙকপা লীলা অমস্তু ··· ··· ···

---

* কবি মণানা ইরম্বা খুৎইদগী লৌথোকচবনি।

মধু মালোতি

(অহানবা তাঙ্কক)

অহানবা দৃশ্য

মনিপুর কোনুং-রাজ দরবার

ভাগ্যচন্দ্র অমসুং অঙম অথৌ

ভাগ্যচন্দ্র :— ঙসি দরবাররদা পাবুংতোন লেংঙক্কববু করিননো ? (খুম্বোং মেঙ্গররোমদা ওনশিন্দুনা)
মেঙ্গর ! ঙরাং পাবুংদা হঙ্গংলমগ্রা ?

খু: মে:— অজ্ঞা ! ঙরাং সনায়াথং হেক তাকপিবমক্তদা ননাই ঐহাক নতোন ইবুঙোগী শঙ্গাই
তাম্না চংচৈ। সনায়াথং তাকপিবা পুন্নমক চৌথদনা হঙ্গচ্চরম্মি অজ্ঞা।

ভাগ্য চ:—নঙোন্দা পাবুং ইতোন সনায়াথং কন্নি করিদি হায়রকই।

খু: মে:— করিমতা তাকপিরক্কে অজ্ঞা ! অতুগা মহৌশাদোনা হরাউ হরাউদি তৌদে— ননাই ঐনা
হেক চংখিবদা সনা মিয়েং খানা য়েংই অজ্ঞা !

ভাগ্য :— উম ! করিননো ? মেঙ্গর নং চত্তনা অমুক্তং অতুক হঙ্গংলু।

খু: মে:— অজ্ঞা (হৌগংপা) এঃ নতোন ইবুঙো আদা লেঙবু লেঙলক্কে।
(ভাগ্যঃ হৌগংপা চেম্বোক্তুনা মন্ত্রী হন্নবদা খুরম্বা)

ভাগ্য :— লেংশিনবিরো অজ্ঞা। ঙসি করিগুম্বা অকবা হিরম অমতং থন্নদবা য়াত্রতুনা মনাই ঐনা
লৈবাক্কী পাত্রমন্ত্রী অপুম্বা কৌজরিবনি। পাবুং লেঙবিরক্কবা অতুদা য়া হৌদোকচবা ঙমদতুনা
লৈরবনি— শঙ্গাইদা করবা অচিনবা লৈ লাক্কবনো হায়তুনা যান্না চিংনকরে —।

মন্ত্রী—.নিংথৌনা তৌনীংববু মহারাজ ! মন্ত্রীগা করি তান্নফম লৈবনো— নিংথৌ হায়বসিদি
নিংথৌনি।

ভাগ্য :— অজ্ঞা ননাই ঐদি নিংথৌ নত্তে— পাবুংগী সনা য়াথং লৈথক্তগী পাবুংগী প্রতিনীধি ওইনা
লৈবাক ঙাকচবনি অজ্ঞা ! অহানবমক্তদা তেথাউদগী হেক থোরকপগা ননাই ঐদি চন্দা
লৈবাক অমসুং সিংহাসন কচ্চগ্রবনি— সনায়াথং লৈবাক ঙাকউ— অক ফত্ত পুম্বা মন্ত্রী ওইনা
ঙাকপীগনি হায়বদগী সিংহাসন কাজবনি।

মন্ত্রী :— মহারাজ ! ঐনা লাম্লে—ঐনা হঙ্গংনীংবা অমা লৈ মাতুদি— ভাগ্যচন্দ্রদনি— মহারাজ
ভাগ্যচন্দ্রনা নত্তে— হৌজিক্তি তৌগদবা লৈবাক্কী হিরম থন্নবা য়া হৌদোকপীরো।

---

* কবি মশানা ইন্নবা ড্রামাদগী লৌথোকচবা।

ভাগ্য :— অচ্ছা। নোংচুপলোমদা বঙ্গদেশদা— ইষ্ট ইণ্ডিয়া কোম্পানী হায়বা ফিরিঙ্গী লল্লোনবা কাংবু অমা লৈ— মখোই অমু হৌজিক অসিদা মফম অহুদা য়াম্না তৌবা ওম্বা কাংবু অমা ওইনা তৌরি— মখোইনা মণিপুর নিংথৌদা— খোইরু অমসুং খোইহী নিরকই— মাহুগী অহুত্তা মখোইনা মণিপুরদা লৌক্লি থাওমৈ অমসুং মিংশেলগী জাৎ পীরক্কে হায়রি— মাসিবু করি থোকললগে সভা পুন্নমক খনবিয়ু।

মন্ত্রী :— মহারাজ মাহুদি মহারাজগী সনা পুক্লিংনি— লৈরিবা সভা অসিদি হৈবোং মনুংগী তীনগুম্বনি —মপানমী চংনবী খওলিবদি— শ্রীযুৎ মহারাজদনি।

ভাগ্য :— ঐগী পুক্লিংদা লৈজবদি— লৈবাক্কী পোৎ অসি ইথামক থাদোক্তুব্রদি লৈবাক্কী আর্থিক অবস্থা কয়া জুগোৎ চারোই অহুনা মাসি পীহুনা ঐখোইগী চওগদবা পোৎ মখোইদগী লৌবসু ফৈ হায়না খঞ্জে।

মন্ত্রী :— চুম্মি মহাবাজ! অহুদা পোৎকী মমন্দি কবম লেপ্পগনি মখোইগা ঐখোইগা শেল চত্তি মান্নব্রা? মখোইনা থাওমৈ অমতং পীরগা ঐখোইগী খোইরু শংবাই অমা পীথু হায়রবদি ঐখোই যাগদ্রা?

ভাগ্য :— তাকপিবা চুম্মি মখোইগীদা চৎলিবদি লুপাগী শেম্মি ঐখোইদা চৎলিবনা শেন্নি। অহুনা মখোইনা পোৎ ওইনা ওন্নবগী ভাবত্তা হায়রকইবনি।

মন্ত্রী :— মাহু ঐনা মমাঙওৈদনা হায়জগ্রবা অহুনি, মাহুদা চুমদবা খরা লৈ— মখোইসু য়োল্লক্লসু ঐখোইসু মখোইদা মখোইগী কান্নগদবা পোৎ পীসি মখোইগী অমসুং ঐখোইগী শেল অনী অসি ওন্নবা য়ানবা মমল অমত্তং লেপ্পবা চুম্মি।

ভাগ্য :— মাসিনা খ্বাইদগী অফবা রানি—ঐনা খঞ্জবদা ঐখোইগী শেন মখাই ৪০০ গা মখোইগী লুপা অমগা ওন্নবনা চুমগদবা মাল্লে—ধাতুগী অহোঙ অতাঙ পোৎকী মমলগী য়োন্নরিবা মতানা মাসী চায় হায়না ঐনা খঞ্জে। ওসি বরমন্ত্রীনা হৌদোকপিরকপা ওস্থোরা ফখ্রে— সভা পুন্নমকসু তাবীথু ইবুধৌশিং অতৈগী সনা হাক্তক্তদি মীরৈবাক্কা মরী কয়া লৈনরমদবনা শেলগী মমল খওনদবসু য়ারম্মি। হৌজিক্তি মাহু য়ারোইদোরে— হৌজিক্কী কাংবু অসিসু অসুম্না খওহুন- জগ্রগে— ওসিগী সভা অসিদা লোইরসি।

(ভাগ্যঃ— তাংবন্দগী চোংথবা— খুরু খুদক কুন্দুনা মন্ত্রী হন্নবদা হঙ্গৎপা)

ভাগ্য :— ওসাই সনায়াথং তাকপিগনি হায়বিথিবহু তাকপিরো অচ্ছা।

মন্ত্রী :— ভাগ্যচন্দ্র! ওসি ইপা পুক্লিং হুংশি। নংনা গোবিন্দ পালা লিংখৎলে হায়বা ইপা তারে— য়াম্না ফরে নংনা নিংথৌনি অমসুং নহাক অসি ঐখোই মীতৈ অপুম্বগী ধর্ম্মগুরুনি— নংনা তৌবা মথৌ অফবা ওাক্তনি— ঐদি জ্ঞান চোইরবা হন্নবনি অহুগুম্বা অফবা থবক য়াওলদা মতিক চাবা মী নত্তে।

ভাগ্য :— (মরক্লুকথবা) অজ্ঞা ! চয়ননা কৃপা তৌবিয়ু এনাই ঐনা লাল্লবমি— হিরম পুন্নমক পাবুংগী য়াথং লৌদ্রনা তৌবনা অচুম্বনি অহুদা নলাই ঐ অসে অপুনবা অমনা পুখিদ্রনা অভাওবগুমে— অয়োন অরাম পুন্নমক চয়ননা কৃপা তৌবিয়ু অজ্ঞা।

মন্ত্রী :— ভাগ্যচন্দ্র। নংনা হায়রিবদ্রনা ওক্লে। অফবা থবক তৌবদা অরানবা লৈতে নংনা নিংথৌ ওইরবা নহাক্তা মপা মতোননি হায়দ্রনা ঐবু ইকাই খুন্নবা য়াহৈ তাহনবা অসিমক্তনা ইপা পেল্লে— শ্রীগোবিন্দ পালা হায়বদু ঐগীসু অপাম্বনি মাদু ঙসিদগী ঐগীসু পুক্লিং, হকচাং, থয়াই পুন্না য়াওরবনি।

ভাগ্য :— পাবুংনা ঐবু ঙাকপিরে— ইরাইবক ফবননি অদুদা ঐগী পুন্সী অসিদা নীংঙমদবা অমা লৈবা তারে অদুনা ঐগী অরানবগী প্রায়শ্চিত ওইনবা ঙসি পাবুংগী নামাদা শ্রীমতীগী রাসেশ্বরী পালা হায়বা অমা লিংখৎলে মাসি হয়েং মতুং ফাওবা পাবুংগী শাবগী অমতং য়াওদনদি বংশ অতৈনা তৌগ্রবসু মপুং ফাদবা ওইসনু—

মন্ত্রী :— মুংঙাইরে, ইবুঙো মাসিদগী হেল্লা নুংঙাইবা ইপাগী অতৈ লৈফম পোক্কে। নংগী কৃপাদগী ইপাবু রাসেশ্বরী পালা উহল্লো অমসুং শ্রীমতীগী মহিমা তাহল্লো।

ভাগ্য :— অজ্ঞা। নমাই ঐহাক থুনা মাতুগী শীনজরনি— (খু: মে: রোম্বদা ওন্দনা) মেগুর নহাক খৌবুম তান্না চত্তনা নোংচুপ লমগী হাওশিংদগী খোইক খোইহী ফংনবা হোৎনক অসিদগী শেল ফিরোন মতীক চানা পুত্তনা হাওশিংদা পীযু আদা থাবা ওক্লবা খোমজিল্লু ঙসিমক চৎলো

খু: মে: — অজ্ঞা।

(ওয়মক্ক চৎখিবা)

মাঙ্গোন : - সনাহল চৌকিদা ফম্বা (শলাই য়েৎপা, খ্বাংদা লাংরা য়েৎপা বিনোদ অমসুং চাওচৌ খোগনগী মশক ওইনা ফম্বা)—

সনা : চাওচৌ। ঐসিবু থীবরনহায় পাবুংখ্বানফংই শকথী হেক মহায়বা, ইবেনশিনদোই মকুম হেক মকৌই ঐদি ফন ফজমাল্লে হায়না নীংই।

চাওচৌ :— অজ্ঞা। কৈদগীনো ? নবেনশি ইবেম্মখোইদি অহল ওইরবদুনা নয়ন কয়া ফংলক্ত বনিমা।

বিনো :— অজ্ঞা। সনাখ্বাগী বদনচন্দ্রবু থী হায়বা য়েংবা হৈতবনি অজ্ঞা। অতো, মাচাহন (চাওচৌদা) অদুক খন্নসি সনাখ্বাগী মাইথোং অসি করি মাল্লি·

চাওচৌ :— পুনিমাগী থা — শরৎকী।

বিনো :— শমদি ?

চাওচৌ :— কদম্ মপাল — খোইখোই।

বিনো :— নয়নদি ?

চাওচৌ :— ফুগায়না শাংপা ল লৈকা

বিনো :— পাম্বোম ?
চাওচৌ :— থম্বৌ হেরা — মপুম মরা চপ-চপ মান্নবা।
বিনো :— শাজৎ ?
চাওচৌ :— শামু য়াইস। কাঙা।
বিনো :— চিমবাল ?
চাওচৌ :— মারকী তয়াল — ঙাংশং।
খোঞ্জেল। খোঞ্জেল ?
চাওচৌ :— কোকিল— বসন্তগী তান্না।
সনা :— উং, চাওচৌ! ঐগী খোঞ্জেল অসি মমৃংশিবোইরে। অহুননিদনা মীনা ঐবু কর্ম্মগী ঈশৈ শকউতা মহায়খ্রে।

——

অনীশুবা দৃশ্য

ইম্ফাল — (মোইরাংখোম) মহাবলী মখা — কুমারী।

কুমারী :— হৈ, হৌজিক্তি লুখ্রা ওইরে মরম চাদনা ইপুরোইববু হাংখ্রে কনাগী থৌইনশিন্দগী? খুম্বোং মেঙ্গব— মরান্দি, নিংখৌগী মথক্তা লাল হৌই হায়বগী চিংনবা। চিংনবঅদকো? হৌজিক লুখ্রা ওইরবদি সংসার থাদোক্লুনা লাইনীংবা চুমলে অহুদা মাহুদা থরাই অসিনা য়ানীংদবা অমা লৈরি— মাহুদি ইশাগী ওইজবা তানবতনি, ইপুরোইবগী লমন্দি খুম্মদবা তাব্রে মপীগীদি মপুরোইবনা লাইনি কনাগী মথক্তা লমন খুমগনি ঐগী পাম্লিবা প্রতিহিংসাদি ভাগ্যচন্দ্রদনা— নত্তে মহাক্তি নিংথৌনি নিংথৌস্নু অফবা, ধর্ম্মচেনবা, রায়েন চুম্বা নিংথৌনি— নিংথৌদি থবক অপুম্বা অত্তমদা ইনথোকপনি মাহু তৌদবা যাদবনি মাহুবু থাজব্রবদি নিংথৌগী থবক পাংথোকপা ঙমদে। অহুনা ইপুরোইবা শিবগী মরু ওইবা মরম খুম্বোং মেঙ্গরবু হাংপা করন্না, লাকনি— পাম্বৈ লাকনি অহুনা ঐ হৌজিকমক ঐগী বেশ ওল্লগে মতম থরগীদমক্তি অওইবদি মতুংদা শ্রীগোবিন্দনা কৃপা তৌবিসনু। ঐগী খুংলাইদি— খুংলাইদি মপা শিব্রবা মুংশি হৈতনা হাংখ্রবা লাইরেন মেঙ্গরগী মচা মধু— মাহুগী মনাদি খুম্বোংগী মশক ফজরবী, মচং ফজরবী, মরীল চুম্নবী, রাশক চেংলবী মচনগী মপানা পোকই হায়বা থাজব্রবী মালতী হা-হা-হা য়াম্না ফরে, হা গোবিন্দ! নংনা ননাইনা নীংলিবসি থুংহনবিযুকো। এঃ লাকইবা অসিবু মধু নপ্রা? মধু ইবুঙো! ফম্মম্ম। ইমা থুনা লাক্কে। (চংথিবা)

(মরু লুকথবা মধু চংলকপা)

মধু :— করিনো ? ঙসি ইন্দোন অসিবু ওয়োক্লা ফিংনা চৎগ্রেদা করি তৌরব্জো ? ইপা লৈত্রে ইমাগী ইপাগী খাইন মৈচাকনা চাকুনা লাইরৈবাক তানগে তাইবং পানবদা ঐঙোন্দগী হেক্কা রাকম খোকপসি অমা লৈরিগত্রা মাম-মাম্নবা তিন্নবনা অচুম্বনি ইন্দোন কুমারী অসিমু মপুরোইনা কাম্লনরে মচা লৈত্রে। মহাকসু অরাবা মীগী মরক্তা অমনি অতুনা ঐবু চানবনি মহাক নত্তনা ঐগী পুক্লিং খোগৎপিনবা অসিদা অমতা লৈতে।

(যোগীনী বেশ শেৎপা কুমারী চংলকপা)

(মধু ইঙক-ঙকনা য়েংবা)

কুমারী :— মধু ! ইমাগী ইবুঙো ! ঙক্নমু !— নং লাকপা ফরে, নহাক খঙ.হৌরো ইমা ঙসিদগী বৈরাগ্য ধর্ম্ম লৌরগে ইবুঙো, তাইবং পানবা অসে অরেম্বনি, ইমানা অনুম অনুম খল্লুবদা ঈশ্বর নত্তনা তাইবং পানবদা চঙ.জফম অমা লৈতে ইমাগী পূর্ব্বাশ্রমগী যুমনাক মিং পুম্নমক থাদোক্লে, নহানমুক্কী মপোক্কী কর্ম্ম পুম্নমক ইমা কাউথোক্লবনি, ইমাগী মিং মায়াদাসী হায়না খঙ.উকো, ইবুঙো নংসু থাজবোকো সংসার অসে অরেম্বনি অরেম্বা মীনম্বগী লাংনি, কনানা মমানো কনানা মপানো কনানা মতুনো কনানা মচানো শিবগা লোইননা পুম্নমক মমগদবনি নাম নক্কা গতি লৈতবনি ইবুঙো ! মীতৈ ঐখোইগী লাইবক ফবনা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা পানত্নুনা ঐখোইগী যুমথোং থুদীংদা নাম যেনবিবে তাও। ইমা নাম শোনগেকো।

(ঈশৈ)

মতম্না লৈরিঙৈসিদা পুক্লিং
নীংজহৌরো শ্রীগোবিন্দ চরন।

শ্রীচরন্দা তীর্থপুম্বা পুনবনি,
গয়া গঙ্গা কাশীনচিংবা।

শ্রীচরন অতুতা ফংননবা
ধ্রুবনা চৎথিবনি গুরুবা বন্দা।

শ্রীচরন অতুতা ফংননবা
নারদনা শকপনি বীনা পায়ত্নুনা।

শ্রীচরন অতুতা ফংননবা
শিবনা নীংবনি শ্মশান্দা ফমত্নুনা।

থন্না থক্তা পকপা লাইজঙবা
তয়াং তাসোইবা পুন্সিনি।

কর.া মালংবনা গুপ্পকপদা
কদৌঙৈ লোমগদগে খঙ.দবনি।

অহুমগুবা দৃশ্য

(মধু মালতী সখী)

মালতী :— মুংশিবা হায়বা পোৎশক ওহোক্লপনি, করানা তখিদনা কনাদগী হৎলুদনা মথুং মতম চৌবগা হেক্তা থোরকপা ? থম্মোইগী করম্বা থুপ্পবা মকমদা অমুক নুইনা লোক্‌না লৈরুবা ? ইপা ইমানা ইত্তোমদা পোকপনি ইপানা অচৌবদা থাজনীংই মীওইবগী হৌন্নবীনি তৌইগুমমুং-মুংশিবগী লম্বদদি অচৌ অপীশক খায়দা হায়বা য়াদে অহানবা হেক উনবদগী ঐগী থম্মোই অসি মাঙোন্দা কখোকখ্রে, মবে ঐ অমুক ওনবা ওমরোই হে ভগবন— ননাই তোল্লবী ঐভোন্দা থোঙ্গানবিয়ু, ঐগী পুক্নিং ওলহনবিগদ্রু ইপা ইমাগী য়াথং, অতৈ য়ৈথাইবা পুন্নমক ভাকপীয়ু— ভসি ঐনা খঙ্গবিবা অসি মুপীমচা ওইবগী অরোইবা য়াশকনি মতুংদা অমুক পুক্নিং অনী লোংজররোই। অদুদা অরাবদি মুপীমচা ওইনা পোকপা হায়বসি তোনগ্রেদা, ইকাইবনা মাগী মশা অদু কুপ্পনা লৈরবনিনে, পুক্নিংনা করিগুম্বা অমা খঙ্গবা— কয়াদগী ঈচং থৌনা ক্লোংদোকচবা ওমদদো-পুক্নিংগী য়াথল পুক্নিংদা লোত্তনা লৈ, ইকাইবসিমক্তা পুলীগী আশা পুলীদা তিল্লুনা তোকপনা অয়াম্বনি, অদুগ্মু কৈ, মুপীমচা ওইবগী মহৌশাগী ওইবা গুণনি, মশা কঙ্গবনা নিপানি পুক্নিং কনবদি মুপীনা হেনবনি।

(সখী চেনশিল্লকপা)

সখী :— ইচে ! ঐগী লাইফদিবী মখুৎ তৎলে।

মালতী : - সখী ! ভাইখো অদুদি মাইবম খুড়া মাইবা খুৎশম্বসি অদুক কৌরুখিগেদবা ?

সখী :— ওম্মোই ! নং শখিয়ু।

মালতী : — সখী, নংগী লাইফদিবীসি তোখীগী লাইখিদা ওরাং থাজখ্রে হায়বদাই ?

সখী :— উম্।

মালতী :— অমুক থুনা খাইনরকলবা ? মুপীনবু অমুক পুক্নিং লেপ্পবা মাদি মখুৎ তৎপনা চুম্মি।

(মধু চংলকপা)

মধু :— সখী ! কৈদোরবগে ?

সখী :— তামো ! ঐগী লাইখিসে মখুৎ তৎলে অদুবু ইচেনা শেম্মিয়ু হায়বা যাদে।

মধু :— মখুৎ তৎলবা ! এ সখী অদুদি লুইনা ! ঐদি খুৎশম্বা য়ান্না হৈ শখিবনি নং দক্কিনা কয়া তৌবা ওমগনি।

সখী :— তামো থরা শখিয়ু চিনি চক্নু অমা পীনি ঐ লৌথোকউগেকো

(লৌথোকউবা)

সখী :— সে তামো ! চিনি চক্নু লৈরে।

মধু :— শখিগে কদাই (পাইত্নুনা শেম্বা) হেলো সখী সে চিনি চক্নুগ্নু লৌজরো ঐ ক'রিগ্নু লৌবিরোই।

মরিশুবা দৃশ্য

মহাবলী উমং

মায়া :— মায়া বৈষ্ণবী ! করিগী ? ঐনা করি মায়া তৌই ? নত্রগা ঐ অসিবু শাসিরবী বৈষ্ণবীরা ? কৈ, হৌজিক্তি ঐগী তৌগদবা ইথৌ লোইরে থাদোকসগে মায়া— চৎলগে নিত্য ধাম শ্রীবৃন্দাবনদা। মায়া বৈষ্ণবী ঐদি— নত্তে কনাদসু মায়া তৌবা। ঐগী মায়া হায়ববু— প্রতিহিংসা। ইপুরোইবা হাংখিবগী লমন খুদ্বা। উম্, হৌজিক্তি লোইরে— মরম লৈতনা ইপুরোইববু হাংপা— মোইরাংগী মন্ত্রীগী তালোই অতোপ্পী মায়াবু লুখ্রাশীংদা চনলনবা। মাক্সী লমন খুদ্বা লোইরে— খুৎলাইদি মধু। মাতুদি মায়ারা ? নত্তে— মাবুসু মপা হাংখিবগী লমন খুমহনবা। লোইন-লোইননা মধু মালতীগী লাইনা শেঙ্বা লৈপুন চেৎহনবা। লোইরে— হৌজিক্তি মায়াগী মায়া মপুং ফারে। মতুংদি করি তৌবা হৌনৈ ? প্রেম মায়াগী প্রেম ইপাক্তা লুপ্লবা লাক্লবা। হে রামদাস, হে অনুচর বানরশা, মায়া বৈষ্ণবী ঙসিদগী মায়া থাদোক্লুনা নিত্যধামদা চৎচরগে। নখোই পুমনমক্না সাক্ষী ওইহো— মায়াগী মপুরোইবগী লমন খুদ্বা ঙসি মপুং ফারে।

ঈশৈ

বিষয়া পুম্বা হুনজেক্লুনা
অপাম্বা পুম্বা থাদোক্লুনা
  কদোইদা শ্রীবৃন্দাবন ফংলগবা।
ব্রজবাসী য়ুমখোং য়েনা
মাধুকুরী নিজহুনা
  চাক্লগবা ইপুক থন্না
যমুনাগী অক্লবা লাইজা
খুজোক থন্না শোকচহুনা
  থক্লগবা থরাই পেন্না
কুঞ্জ নিকুঞ্জ থুংনা
বন উপবন শুনা
  কদোইদো উজগবা মিংসি পেন্না ॥

———

নতমগী রাখল

(কোংখিত্রিবা বাম্নী মচা)

কবি শ্রীখ্বাইরাকপম ৺চাউবা সিংহ, সাহিত্যরত্ন

ৱাহৌদোক

ঐগী মুংশিরবা ছাত্র খরনা ঐবু কুন্সিনক লাইরিক খরনং থোক্লবা তৌ হায়দুনা হয়া হয়া হায়। ঐনা ঐগী মহৈ তম্লিবা ছাত্রশিং অদুবু পুক্নীংদা থৱায় য়াওনা ধন্যবাদ তৌই। মরমদি মতম কুইনা লানজেল্লুদনা থাদোক্লবা ঐগী অপাম্বা থবক অদু অমুক পায়খৎলো হায়দুনা তাকপিবা অদুদি থাঙ্গৎশেংবা মরুপকী থবক নত্তনা অতৈ করি ওইফম থোকপগে? তৌইগুম্বসুং মথল মথা অয়াম্বা অরাং অপা, অশি অনা, অৱাবা থৌদোক নংলবা মতুং অসিদা মখোইগী মনীং থুংনা লাইরিক পুথোকপা ঙমগদ্রা য়াম্না চিংনৈ। অদুবু ঙম্বমথৈ হোৎনদুনা মখোইগী মতম অসিগী ভাব রুচি মতুং ইন্না বিষয় খন্দুনা লাইরিক অসি পুথোকচরে। মাসি লেংখদা বাঙ্গালা ইংরাজী, সংস্কৃতকী লাইরিক মঙাঃ তরাগী মতেং লৌজে। লাইরিক ময়াম অদুগী লেখকশিং অদুদা তৌৱিমন খঙবা উংচরি। লোনগী মরমদা খঙহৌদনা চঙলকপা সংস্কৃত শব্দ পুন্নমক হোংদোক্লবা শাক্লজদে। মরমদি সংস্কৃত হায়বা অসি ভারত অপুম্বগী লন্নি হায়বা অসি ঐগী আচেৎপা থাজবা অমনি। লাইরিকসিনা ছাত্রশিং অদুবু অমসুং পাবিরবা কনাগুম্বা মী খরদংবু য়ামদ্রবসু খরদংদা মুংঙাইহনবা ঙমজরবদি ঐনা নোমজবা মহৈ য়াম্লে নীংজগনি। মাসিগী ভাব রুচি পুন্নমক অশেংবা মীতৈগী ঙাক্তনি। মরম অদুনা পাবিরিবশিংনা মীতৈগী পোৎ মচা অমনি হায়না খনবিদুনা মুংশিবিরবদি নত্রগা হরাউবিরবদি নোম্বগী ৱাবা পুন্নমক কাউজগনি। ইতি:—

শ্রীখাইৱাকপম চাউবা সিংহ।
৩১।৭।৪৬ ইং

"মতমগী রাখল"

লাইপোক অমস্থং প্রাতভা

তাইবংপানবদা মীকোকথংবা ঙমগে হায়না খঙনরিবা মী পুন্নমক অসি ঐখোইনা কাংলুপ অনী খোক্লা খায়দোকনীঙিঙ। কাংলুপ অমনা খঙনরবা জ্ঞান নত্রগা থৌরম নৈনহুনা মশাগী অমসুং মীগী ফনবা হোৎনবা ঙম্মি অত্থুগা কাংলুপ অমনা অনৌবা পুথোক্নুনা মশাগী অমসুং অতৈগী মুংঙাইনবা শীনবা ঙম্মি। নংনা মী অমনা শারম্বা যম্ন য়েংহুনা নংসু শারি, খ্বাইদা উৎলি অমসুং ফপৎনবা লাক্লরি, অমসুং অত্থুম তৌহুনা মীগী কান্নবা তৌরি, মাত্থগা লোয়ননা নশাসু অফবগী শরুক ফংলি। তৌইগুম্বসুং নংনা অত্থুদগী তোঙানবা অতোপ্পা হীরম থৌরমদগী অনৌবা যম্ন অমা পুথোকপদি নং ঙম্বসু য়াই, ঙমদবসু য়াই। এনা মীনা পুথোক্লম্বা মরুওইবা তত্ত্ব অমা নৈনহুনা ইশাগী অমসুং অতৈগী ফননবা লাক্লরি, তাইবংপানবগী মুংঙাই য়াইফবা চাওখৎনবগী থবক তৌবা লাক্লরি; তৌইগুম্বসুং অনৌবা তত্ত্ব অমা পুথোক্নুনা খ্বাইদা উৎপদি ঐ ঙমগদ্রা নত্রগা ঙম্মোইদ্রা হায়বা ঙমদে। মহাক্না মীনা ইরম্বা শৈরেং নত্রগা ব্বারেং নৈনহুনা মশাগী জ্ঞান চাওখৎহল্লি; নত্রগা অতৈদা মাহু উত্তুনা মুংঙাইহল্লি। তৌইগুম্বসুং মহাক মশানা অনৌবা করিগুম্বা নিংথিবা নত্রগা রাখল অমা পুথোক্নুনা খ্বাইগী মমাংদা উৎপদি মাগী মহৌশাগী পাঙ্গল লৈতে। মী পুন্নমক নিউটন ওইবদি পাম্বা য়াই, তৌইগুম্বসুং কয়ানা মহাক্নম্না অচম্বা হৈতুপ কেনবদা অত্থুম্না পুক্নিং চংনা য়েংবা অমসুং খনবা ঙম্বগে? অমসুং অত্থুম্না য়েংহুনা, খল্লুনা অত্থুম্না মধ্যাকর্ষন শক্তিগী অনৌবা তত্ত্ব পুথোক্নুনা তাইবং পানবদা উৎপা ঙম্বগে? পুন্নমক কলিদাস নত্রগা সেক্সপীয়ার ওইনীংবা য়াই; তৌইগুম্বসুং মী কয়ানা তাইবংপানবগী নীংথিবা পুন্নমক পুল্লপ খোমজিল্লুনা মমিৎ তাঙলবা তাইবং মীদা উৎপা নত্রগা মীওইবগী শম্মাদগী হেন্না কুপ্পবা রাখল, পোথি পুন্নমক শকক লীশীং লখা থোকনা য়াত্তুনা তাইবংমীদা অনৌবা পাম্বৈনা পুক্নীংগী বিজ্ঞানগী মঙালগী নিংথিবা উৎপা ঙম্বগে? পুন্নমক অসি রাখল তৌরগা ঐখোইনা মথক্তা হায়খিবগুম্না ফাওখ্রিবা নত্রগা ফাওরিবা মী পুন্নমক অসি কাংলুপ অনী থোকপা উই। তাইবংপানবা শেম্বা মপুনা মহাক্নী তাইবংমীওইবশিংগী মরক্তা খরদনা ঙাকননবগী! পাঙ্গল পীবিরম্মি, খরা অমদনা শেম্নবগী পাঙ্গল পীবীরম্মি। অনৌবা শেম্নবা অমসুং পুথোকবগী পাঙ্গল ফংবা মীশিংনা অনৌ-অনৌবা পুথোক্নুনা তাইবংপানবগী মুংঙাই য়াইফবা চাওখৎনবগী লমী থিল্লুনা তাক্নি ঙাক্নবগী পাঙ্গল ফংবা মীশিংনা মাল্লুনা ঙাক্নুনা থম্নবা অমসুং ঙাক্নুনা খ্বাই পুন্নমক মুংঙাইমিম্নবা লাক্লরি। অনীমক তাইবংপানবগী কান্নবনি অমসুং তাইবং-মীওইবগী কান্নরবা মরুপনি হায়বদি অচুবনি। অহানবা মখলগী মী কাংবু অসিবু ঐখোইনা জ্ঞানী,

---

* কবি মশানা ইজরম্বা খুৎইদগী লৌখৎচবনি

অশিংবা, পণ্ডিত অসিনচিংবা মিংথোল পীহুনা ইকাই খুম্নে ; অহুগা তনীগুবা মখলগী মীশিং চসিবুনা প্রতিভা লৈবা মী, লাইপোঁক অসিনচিংবা হায়হুনা মতীকচাবা ইকাইখুম্নবা উৎলি। মাসি ঐখোই মীওইবনা থাইনদগী থাজহুনা লাক্রে নত্রগা থাজদবা ওমদ্রে। নত্রবদি মী অমতনা করম্না মী লথা লথাবু লাইনা চিংহুনা পুবা ওমগনি?

তৌইগুম্বস্নং ঐখোইনা পুরিবা রাখল অসি মতমগী হৈশিংলবা পণ্ডিত অয়াম্বনা য়ানীংদে। মখোইনা প্রতিভা হায়বা অসিবু মহৌশাগী ওইবা পাঙ্গল থোইদোকপা অমনি হায়বা অসি য়াবা ঢ়ম্মি হায়না থন্দে। মখোইগী মততদি মাসি থাঙ্গৈশেংবা তম্বগী অওকপা মগুণ নত্তনা অতৈ করিস্নু নত্তে। মীচং-মীথায় নাইত্রবা মপুগী লৈবাক অসিদা অমদা থোইদোকপা স্বাভাবিকী শক্তি অমা পীরগা অতৈনা মাঙোন্দা চগৌ য়েংনবা শীল্লমগনি হায়বসি মখোইনা য়ানীংদবনি। তৌইগুম্বস্নং মখোইগী রা অসি রাখল ওইনা ফনা চুমহুনস্নু থবক্কী লমদদি মফম অয়াম্বদা চানরদবা উই। ঐখোইস্নু থাজে— তম্বনা প্রতিভাগী মথৌ শঙিঙ। থাঙ.বু ফেংলগা থৌবা হেল্লি মতৌ অহুগুমহুনা প্রতিভাস্নু থবক শীজিন্নবা য়াননবা ফেংবা নত্রগা অভ্যাস চঙিঙ। শকুন্তলা, রঘুবংশ, কুমার সম্ভবনচিংবা কাব্য, মহাকাব্য অসি কলিদাসনা পোকপদা লোয়নরকপা মত্তে। ঙাংনবা লৈ— উষ্ট্র হায়বা থোক্তবা কবিনি— মহে হৈরবী মুপীদগী ইকাইবা যংলবা মতুংদা গুক্রবা বন্দা চঙ.হুনা সরস্বতীবু পূজা তৌরুবনি। অহুগী মতুং কাইনথংদদা অভিজ্ঞান শকুন্তলগুম্বা কাব্য তাইবংপানবদা চংপা ওমখিবনি। ভারতকী বল্মিকী, যোপদেব, সেক্সন কবি সিডমন পুন্নমক অহানবদা কনাস্নু মহাক মহাক্কী খুভম অহু য়োবদা মতীক চারমদে; তৌইগুম্বস্নং তম্বা অমস্নং হোৎনবনা মমৈদা অহু য়োবা ওমখ্রিবনি। কল্পনামক্কী মচানিপানি হায়না খঙ.নরবা সেক্সপীয়ার অহুমক ইংল্লাজী, লাটিন কয়া নৈনবা তাখিবা মহাক্কী থবক য়েংলগা খঙ.বা ওম্মি। পুন্নমক চুম্মি— নিউটনমক ইং তুপ কেল্লে হায়হুনা খুন্দুনা চাবদগী হেন্না মথা থস্ত্রবদি কদাইদগী মাধ্যাকর্ষন শক্তি পুথোকপা ঙম্মগবনো? প্রতিভাস্নু মহৌশাগী নিয়ম মতুং ইন্না পোক্লনবা মৈশা ঈশিং— তম্বা, নৈনবা পুক্লীং চংবা চঙিঙ। নত্রবদি মাহু মরুভুমিদা থাবা মক্কগুম্না হোবা ওমদনা নত্রগা হৌরগা চাউবা ওমদনা চংনা মাঙবা য়াই। অস্নুন্না মফম, মতম, অবস্থা থেম্নবা মতুং ইন্না প্রতিভা কয়া ফোংদোকপা মদনা অরেম্বদা কংহুনা মাঙিঙ হায়বসি ঐখোইস্নু থাজে; তৌইগুম্বস্নং অহু হায় হায়হুনস্নু ঐখোইনা প্রতিভা হায়বা অসি তম্বদগীতা পোকপনি; অহুগা নৈনবদগী পোকপা লৌশিংনি নত্রগা থোইদোক হন্দোক্না পুক্লীং চঙ.না হোৎনবগী মহৈতনি হায়বদি ঐখোইনা য়ানীংদবা লৈ। তম্বতনা অপাম্বা মমক থুংবা ওক্লম্বদি পৃথিবী অসি নাহাম্না মাঙ.বা অমা নত্রগা স্বর্গ ওইখিবা অমা শোয়দনা থাক্রম্নগদবনি। নৈনবতনা প্রতিভা ওইরম্নবদি বনানা করিগী কালিদাসবু, সেক্সপীয়ারবু, নিউটনবু থাইনা হেন্না শীংথানক্লগবনো? পুক্লীং চঙ.বতনা প্রতিভাগী থোকফম খোং ওইরম্নবদি করিগী ফবা পাঞ্চা মীওইবনা অকবগী শরুক রাৎনা ফংহুনা হৌজিক ফাওবা অনৌ অনৌবা থিনবা লাক্লগবনো? মমক্কী মরুদা প্রতিভা হায়বা পোৎশক অমা লৈরি— মাহুনা ঐখোই মীওইববু মীগী জাৎ অতৈদগী

তোঙান তাহল্লি। নত্রবদি মীগা মীগা খেন্নবা করিনো? নংনা মাবু লাইপোক হায়গে হায়রু। অথোইবা মী হায়গে হায়রু— তাইবংপানববু মতম পুন্নমক্তা নৌহল্লিবা অসি মথোইননি। মথোইনা অচম তৌদুনা মন্নবা, লিন্নবা, কোৎহীং কারবা তাইবংপান অসিবু অমুক অমুক নৌহনবিদুনা হিংদুনা পানবা বারবা তাইবংমীগী পুক্নিংদা অমুক অনৌবা আশা পীদুনা মুংঙাইহল্লি।

অদুগা দেশকালপাত্র, শিক্ষা, অমসুং মহৌশাগী প্রকৃতি খেন্নবা মতুং ইন্না প্রতিভাগী মাল্লওন অমসুং চাং খেন্নে হায়বদি ঐখোইস্থু য়ানীংঙি। ঐখোই মীওইবনা পোকপা নৌরিঙৈ মতমদা অইং অশাবদগী কন্নবা ফি, নোং মুংশাদগী কন্নবা উনানা কুপ্পা থাংপোকশঙ অমা পুথোকপা মতম অদগী প্রতিভাগী ঙমখৈ ওইরম্বা য়াই; তৌইগুম্বসুং শিক্ষা অমসুং রাথলগী অরাংবা থাক য়োরবা মতম অসিদদি মাদুবু প্রতিভাগী অঙাং ওইরিবা মওং অমনি হায়বা কনানা থাজগনি। চঙদবা য়াদবদগী পুথোকপা থোকই হায়বা চুপ্পি— তৌইগুম্বসুং পুথোকপা হায়বা অসিমক্তবু অমতসু অরায়বা নত্তে। লশিংদগী করন্না মরু লৌথোক্কদগে, করন্না লং নাইদনা শাগদগে হায়বা অসি থঙনদ্রিঙৈগী মতম অমদদি ষ্টিফেনসননা রেলগাড়ী পুথাকপদগী থোইনা লাইবা থবক নত্তে। মাসিদা ঐখোইনা কনাগুম্বা কপি অমগী রা নীংশিংলকই— সমত্রু ঈয়াইদা লোৎপা মনিবু কনানসু উদনা অরেম্বদা ঈশিং মহুংদা ঙান্দুনা তোকপগুম্বা মফম মতম, অবস্থা চাদবনা পৃথিবীগী মফম অয়াম্বদা, মতম অয়াম্বদা ফোংদোকপা ঙমদনা অরেন্দা, অমরোমদা শীজিন্নখিদনা মাঙদনা তোক্লিরোই হায়বা ঙমদে। অমুক তম্বনা প্রতিভাগী ঙমখৈ অসি, মাগী কোয়রিবা, পরিধি অদু পাক্থোকহল্লি অমসুং চাউথোকহল্লি। মরম অদমক্তা কনাগী মুংশিববা শৈরেংনা মাগী থুঙ্গং মনুংদা মানা হিংবগী মতমগা লোয়ননা মাঙথি— বনানা সেলি ওইদনা তাইবংপান্দা চোংথোকই। অসুম্না কনাগী শৈরেংনা বীনাগী ঈশৈনা নত্রগা কথকতাগী হৈশিংবমখৈদা ঙমখৈ ওইদনা তোকই, কনানা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর ওইদনা তাইবংপানবদা উৎলি। অসুম্না শিক্ষা, অপাম্বনচিংবগী খেন্নবা মতুং ইন্না মহৈ হৈরবা মীশিংগী প্রতিভাগী ঈচেনসু তোঙান তোঙানবা মায়কৈদা চেনবা উই— কনানা কালিদাস, কনানা জয়দেব, বনানা ভবভূতি, কনানা সেক্সপীয়াব অসিনচিংবা অসিনচিংবা। অমুক তাইবং মীওইবগী প্রকৃতি খেন্নবা মতুংইন্না প্রতিভাগী মশকপু অমুক তোঙান তোঙাল্লি। ভারতকী লেমজনফম ওইরবা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা মহাক্কী প্রতিভা অদুবু তাইবংপানবা তত্ত্ব মন্দিরদা চঙবগী পাঙ্গল পীবা ঙম্লিগদ্রা হায়বা অদদি চিংনফম থোকই। অদনা হৌজিক ঐখোইনা লাইপোক অমসুং প্রতিভা হায়রিবা অদু করিনো হায়বা অদ অমুক নৌহৌনা তাক্লবগী কান্নবা লৈরিত্রা?

তোঙান তোঙানবা কান্নবা থবক অমসুং হীরম পুথোক্লবা লাইপোক ওইবা মী চঙিঙ— মখোইদা লৈবা প্রতিভা অদ মী খুদীংমক্তা লৈ হায়বা য়াদে। অদত্রদি ওইরগা ঙমত্রবা অমসুং লৈনত্রবদি প্রতিভা অদ চোংথোকপা ঙমদে। তম্বা অমসুং নৈনবনা প্রতিভাগী মখৌ শঙিঙ। অদুগুম্বা মী অদু লৈবনা পৃথিবী অসি নোংম নোংমগী চাওখৎলিবনি অমসুং মাগী মুংঙাই য়াইফবা হেৎশীলিবনি।

মীতৈগী চাগা চাদীং

মীতৈগী চহীদি থা অনীদনা শাই— ইঙা অমত্তুং পোইন্নু। পৃথিবীগী থা অতে পুন্নমক্তি হরাওকুম্মৈগী ঈচেন্না তাওথোকথিন্নুনা মতমনি হায়বা কাওবা মীতৈনা খঙ.দে থরদনা পেনবা হৈরবা, তুংগী কন্নিগুম্বা অকিবা অমতগী মমি তাত্ৰবা, মুংঙাইবদা লেথোকপা খঙ.ত্ৰবা মীতৈগী থমোইনা মতম পুন্নমক্তা হরাও কুম্মৈদা লুপ্ত.না লৈবা পাম্মি। নং, ঐ মানা মাহুগী অফ-ফত্তবগী বা খন্নকহুনা করি কান্নগনি? পেন্ন হৈররা, হরাওতয়াম্বদা পান্নবা মীতৈগী থমোইনা য়োংচাবীগুম্নবা মাইকৈ অসোমতদা মতম পুন্নমক্তা ওনশিল্লি। শজিবু লৈথোঙ, হেক কাংপদগী থন্দুনা য়েংউ— চৈরাউবগী ফিজোন, তরা লুকোয়, তরা মথেল, মপাল অমত্তুং মন্নুংগী লাইগী প্রসাদ, সনামহীঙল; মাহু তুন্নবা চীং কাবা, লৈকাই কাংখুং পুন্নমক হরাও কুম্মৈ ঙাক্তনি। কালেন থা মীতৈগী চাকতান ফিদান্নবা মতম্নি; অনৌ অনৌবা হৈরাং লৈরাং মালেমপুম্বা কুপপ্ৰবদা মীতৈগী মহৌশানা হরাওবা পান্নবা থমোই অহু হরাওবনা মকা লাম্মি— বীনাগী লিরৌ লিরৌ পুংশেনগী মুংশিবা খোম্প্ৰেন— ঈশৈ নোংমাইগী মুংশিবা ধবনি, কালেন মুংশা খাঙনবগী মাঙব মাঙবতা বারী লাইরিক। ইঙেন থাদা —জগদবন্ধুগী মেলা খিচুরী খুবাক ঈশৈ— থবান্দা কৃষ্ণজন্ম, শাবীশানৌগী লিকোল শান্নবগী ঝঞ্জ, থরো চাবা— লাংবন থাদা হৈক্রুক্তিদোংবা, থৌরানী জন্মগী লিকোল, তর্পনগী উৎসব— বামোনগী পোইন্নু; মেরা থা রাসদগী রাস ফাওবা মুংঙাইবগী ঈচাউ— লাইভীনগী পর্ব্বনা নিনিদ কাংদে মেরা কাঙজৈ, মেরা হাওচোংবা মুৎপ্রবসু গোবর্দ্ধন পূজা, দ্বীপান্বিতা, নিঙোন চাক্কৌবগী ফিজোল, তরা মথেল গৌড়লীলা; হিয়াঙ্গৈ হিয়াং কুম্মৈব মতমনি। বাকচীং ফাইরেন, লমদা— শ্ৰীপঞ্চমীদগী শজিবু মীতৈগী মুঙাইবগী ঈহৌরকপা মতম্নি। মতম অসিগী মন্নুংদা থোকপা হরাওকুম্মৈগী মশীংবু কনানা শীংথাবা ঙমগনি? প্রকৃতিনা অমনবা ফিজেৎ লৈতেং পুন্নমক হোংদোক্লুনা মফম চানা অনৌবা অশংবা, অঙাংবা লৈতেং শেৎপা, মালেম অপুম্বা অনৌ অনৌবা হৈরাং লৈরাংনা পুমকুপ কুপ্পা মতম অহুনা মহৌশানা হরাওবা পান্নবা মীতৈগী থমোইনা হরাওকুম্মৈগী ঈচেন্দা মশানা অপান্থগা লোয়ননা তাওথে। হরিবোল য়াওশং মৈথারে— শাবী শা'নৌ অপুম্বা শাবীগী খুত্তা শানৌনা পায়, শানৌগী খুত্তা শাবীনা পায় পঙ্খৌগী শুমাং মথৌবুং হরিগী থাবল চোংনরে— চাকতান ফিদান্নবা মতম্নি। লৈকাই চাক চানবা, ফাগিজুগাই, হরাওকুম্মৈবগী মতমনি— হরাও তয়াম্বা পান্নবা মীতৈগী থরায়না অসিগুম্বা প্রকৃতিগী মুংঙাইরবা মতম অসিদা কন্নম্না তুমিম্না লৈগনি? অম্নুন্না থা তরা অসি মীতৈনা হরাওকুম্মৈতা তৌহুনা লৈ নম্ৰগা লৈনীংঙি কৃষ্ণ জন্ম, .উৎসব প্রসব, হরাও কুম্মৈ, ফাগিজুগায়, নোকমায় হায়মায়, ঙাওশিন কৈশ্নিন অসিনা থা তরা অসি লায়না লেনবা ঙন্নবা মীতৈগী জীবননি। পুন্নমক অসি লেম্না, শেনয়াওদনদি য়াদবনিনা—চাদীং চংই। অঙম্বনা য়ান্না, ঙমদবনা পীক্না— তৌইগুম্বসুং ঙমদবা য়াদে। তৌদবা য়াদে। য়ুমলৈমগী মরিক মকোন য়োনবা নম্ৰগা বন্ধান থম্নহুনা শয়ন ঈশৈ শত্তবা য়াত্ৰা? লৈকাইনা থাদী— লৈবাক্তী রুহি-সমাজগী চংনবী;

নত্রবদি ময়াম্না— মীরক-তিন্নদবা—কাইমুল।— অমনি— মাংবা শেংবা। নমাগী কর্ম্মবু লৈতবা য়াত্রা? য়ুমফম য়োল্লু। পালাগী নম লেং তোকপা য়াত্রা? ব্রাহ্মণগী দক্ষিনা পীকপা য়াত্রা? চাবা থকপা ফজদবা য়াত্রা— ফিদা ফিজিলনা কদায়? নত্রবদি সঙকীর্ত্তন মুঙাইরোই। থা তরা নাউপুত্নুনা পোকপা নমাগী নত্রা? মাগী খোম্লাং অমৃত থক্লুনা চাউরক্লবা, নংবু পোকপী পলেম নত্রা? আহা হা! নপুক্লীংদা ভক্তি, শ্রদ্ধা নত্রগা মুংশিবা লৈগে লৈয়ু লৈরোই তোকউ; নংদি মীরক তিল্লিবা মীনি, তৌদবা য়াদে; নত্রবদি লৈবাক্না মানা— তুংদা কুম্ভীপাক— চাউদবা য়াদে— কর্ম্ম পীকপা য়াদে— পীক্লবদি ফনা নপুক্লীং শেংনা কত্তনস্থ লাইনা লৌরোই। শয্যাগী পোৎ ফজদবা য়াত্রা— নংবু অপোকপী পলেম মুংশিত্রবরা?— লাইরৈবাক্তা নমানা শংশঙনা ফংলমগদবনি। য়ুম্বানবদা চঙবা পোৎ পুন্নমক ৱাৎপা য়াদে; ব্রাহ্মণদা কৎকদবনি— লৈতবা য়াত্রা? নংগী পলেমনা লাইরৈবাক্তা করি শীজিন্নরুনি।

অসিনচিংবা অফবা অমস্থং ফত্তবা থবক কয়া কয়াদা ঐখোইগী মীতৈগী চৎফম খরচা কয়া কয়া লৈরি— সমাজদা তিন্দুনা লৈরিবনা ঐখোইনা মাত্থ তৌদবা ঙমদে অমস্থং তৌদবস্থ য়াদে। তৌইগুম্বস্থং ঐখোই মীতৈগী নোম্বগী মতমদি খরদা নত্তনা য়াম্না য়ামখিদ্রে। ইঙা থা অসি নোম্বগী মতমনি হায়সি হায়রবস্থ অতনবনা মপাল থোক্লীংদবা কালনি— নোমদবা য়াদবা খরনা নোম্মি। পোইস্থ থাদতা অয়াম্বনা চহীগী মুংঙাইনবা শীনবদা কায়রবনি হায়না খন্দুনা লরায় য়ুফাল চেন্দুনা নোম্মি। ঐখোই অসে মালেম পৃথ্বী অসিদা ওন্থোক্লা লাইবক ফরবা জাতি অমনি।— থা অমতং কম্না নোম্নগা থা তরানিথোইগী শেংন চানবা তানশিনবা ঙম্বা। ধন্যনি মনিপুর লৈবাক। ধন্যনি মীতৈ জাতি! অস্থক লায়না হিংত্নুনা পান্নবগী লানফম শোক্লবা ঙম্বা!! তৌইগুম্বস্থং অসিগুম্বা মতম অসি কয়া কুইনা লৈখিগদগে হায়বা ঐখোই খঙদে। থায়না মহায়রগে মমাঙৈদা লায়না পান্নবগী লম্বী শেংনা লেংদনা লৈরম্বা অত্থ হৌজিক্তি লৈত্রে। নোংমা নোংমগী য়ুম পানবগী থবক অসি শীনা। লুশিল্লক্লে। চাগাদি লৈতা চাদীংগী মশীংতা অস্থম হেক্সংলক্লবদি মমৈদদি ঐখোই ফাজিল তাবা তাই। অনৌ অনৌবা চাদীংদি নিত্তিগী "ইম্‌পোর্ট" আমদানী নত্রগা লুশিল্লকই— চাবদা অনৌ অনৌবা চিঙ্গাক, য়েংনবা অনৌ অনৌবা হিরম, শেৎনবা অনৌ অনৌবা "ষ্টাইল" নত্রগা মওংগী ফিজোন! অমস্থ খল্লু অঙাংগী মহৈ তম্বা— তৌদবস্থ য়াত্রবা নত্রবদি ঐখোইগী জাতি অসি থতমগী মতীক চাবা জাতি অমা ওইরোইদৌরিবা। অঙাং অত্নুনা মেট্রিক ফাওবদা তোক্তুনা মমা মপাগী চাগাগী মরমদা খরদং য়েংশিনবা ঙম্নবদি ফরে; নত্রবদি শেন চংখিবত্থ কহামাঙ, খুজাই কায় হায়ত্নুনা তোকই— শেনস্থ চঙখিবা মহাকপু খরা হেনগৎপা ফিভমদা পানবস্থ তম্বিবা। অত্নুদগী মহাকপু কলেজদা থাবা তারবদা মহৈ তংদা চঙবগীদি চঙদ্রে। নত্তনা অচৌবা অৱাংবা থাক্তা পান্নবগী হিরমদস্থ তম্বিবা তাই— চিঙ্গাক কলেজ ছাত্রগী মতীক চাবা, ফিজেৎ— কলেজ ছাত্র অমগী মতীক চাবা।— মাদি কলেজদা তমথ্রবনি মীতৈ নহ্রে— তোঙানবা মীতা অমা ওইথ্রবনি

— মীযামগা মাগা মান্নবা য়ারিত্র? যুমগী লৈবা লৈতবা মীনা তৌনরক্লিব', মতমনা তাক্লক্লিবনিনা তৌদবা য়াদে। মাসিমসু ঐখোইগী হৌজিক নৌনা হাপচিল্লকইবা তৌদবা য়াত্রবা অনৌবা খরচগী হিরম অমনি — মাসিসু পাঠশালাদগী উপাধি নত্রগা ডিগ্রি ফংবা ফাওবদা তৌরিবা খরচ ওখাক্কী নত্তে। অত্থুগা অমুক তীর্থ চৎপা— মাসি ঐখোই মীতৈনা ধর্মগী মরু ওইবা হিরম অমা ওইনা লৌনবিবা অমসুং থাজনরিবা অমনি। তীর্থ মাহাত্ম্যদি ঐখোই পুন্নমক ধর্মশাস্ত্রদগী তারবা ঙাক্তনি। থাইনদি অওম্বা খবত্তনা তীর্থ ফংলম্মি— মহাকপু মরাইবক ফবনি হায়ত্তুনা খ্বাইনা থাগৎনরম্মি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি তীর্থ চৎপা অসি অরৈবা লৈতবা মী পুম্নমক তোন্দুনা লৈরে হায়বা য়াবে। মীতৈনা তীর্থদা শ্রদ্ধা লৈবা অত্থু উবদা তীর্থগী সেবাইত, পুরোহিত পাণ্ডাশিংনসু মীতৈবু মশক মুন্না খঙলে; করি অমুক হায়গনি— মখোইনা লাইগী দর্শন ফাওবা মমল তীক্তত্তুনা যোল্লে। জাতি অতৈনা চৎপদগী ঐখোইনা হেল্লে। মাসিসু ঐখোই মীতৈগী অচম্বা খরচনি হায়বা য়াদে। অসুম তৌনা খরচ তৌনবগী লমীদি ঐখোইগী চাম চাম ফাংখ্রে তৌইগুম্বসুং চাগাদি থাযনগী পঙহেন হেল্লি হায়বা যাই। অনোম্বনা নোম্মি—লল্লোনবনা লল্লোল্লি চুম্মি। তৌইগুম্বসুং ঐখোইগী লল্লোনবসু ঐখোইগী জাতিগী শেন্থমফম ওন্নবা নত্তনা করিসু নত্তে। চাউবনা পোৎ লৌথোকউরে; তোঙ্দা খবা তেংনা যোল্লে— মাত্থুনা থোকপদি শেল্লেপনা মীরৈবাক্তা চৎখ্রে— চাউবনা তোম্বদগী খরদং শেন্দোং লৌহৌরে। অত্থুনদি ঐখোইগী হিসাবতদি করিসু লৈতে— অমাঙবা নত্তনা করিসু নত্তে— শেন্দোং খবদং অত্থু শেঙ্গাউ ওম্লে হায়বমখৈতনি। ঐখোইনা প্রবন্ধ অসিগী মঙ্গলাচরন নত্রগা বাহৌদোক শাংদোকমনখিবা অসিদা পারিবা মীশিংনা খাঙবা ঙমদবা য়াই; তৌইগুম্বসুং ঐখোইনা মাসিগী বা অসি পন্নীংদবা যাদবনা পনবনি — থাজৈশেংবমক চাং নাইনা চাদীং তৌবগী মরমদা ইবনা করিগুম্বা কান্নবা লৈ হায়রবদি ঐখোই মীতৈগী মরমদনি হায়বা য়াই।

মীতৈ বাহৈদা করি হায— "চেকশিল্লগা চেকযুম শাই, ফাদোক্লগা ফরা শাই। চাং নাইনা চাদীং তৌবা হায়বা অসি ঐখোই মীওইবগী লংথোকপা যাত্রবা পথাপনি। নত্রবদি অরাবা অনংবা অসিনা তাইবং মীওইনা পানবদা যুংঙাইতবনি হায়না খল্লবদি ঐখোইনা মাত্থু ফংবা তাই। চাং নাইনা চাদীং তৌবা অসি অচুম্বনি হায়বা ঐখোইনা তেংবানবগী হীরম থৌদোক খুদীংমক্তা উবা ফংলি। মহৌশা অমসুং প্রকৃতিগী চৎলিবা খোঙচৎ মুন্না যেংলবদি ঐখোইনা খঙবা ঙম্মি— তেংবানবা অসিদা করিগুম্বা পোৎ অমত্তা মাঙবা লৈতে অমসুং লৈবা য়াদে। যেংউ, মখোক লোয়ববা লৌরাংনা মালেম থক্তা কেন্দুনা তাখি; তৌইগুম্বসুং মাত্থুমক্তা অমুক অনৌবা হৈবাং ওন্দুনা পৃথিবীবু অমুক লৈতেংঙি। কোরৌহনবগী যাক্লবা মশেক্লা পাৎ তুরেল সমত্রগী লাইজবু মনিল ওইনা চিংখৎলি; তৌইগুম্বসুং মনিল অত্থুমক্তা অমুক অনৌবা লাইজ ওন্দুনা মালেম থক্তা তারকই— অমসুং খোরাংলবা জীব নত্রগা পান্থী লিশিং লিশিংগী অরাবা কোকহল্লি। অসুন্না চাইবংপানবা অসিদা অমাঙবা হায়বা পোৎ লৈতে। মাসি তাইবংপানবা শেম্বা মপুগী থুৎশেম

অমসুং অপাম্বনি। অসি য়েৌনা থৌজাল হৈরবা অমসুং পীন হৈরবা ঈশ্বরমক্তা মহৌশাগী লৈরীক নৎত্রগা ঈশিং মরীক ঙমতং য়েৌনা অরেম্বদা মাঙ.হনগদবা য়াম্না লীকপগী মতৌ উৎলি মরম অসিনা অরেম্বদা মাঙ.হনবা নম্রগা ফাদোকপা হায়বা অসি মহৌশাগী হৌনবী কায়বা নিয়মনি। ঐখোইনা অরায়বা ৱা অসিদা ৱাজাউ পুশিনবদা কনাগুম্বনা ঙকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং ঐখোইনা মাসি লাইবাংম খনবনা চুম্মি। চেকশিল্লগা খরদং নম্রবসু খরদং কান্নবা শোয়দ্রবনি, অদুগা ফাদোক্লগা খরদং নৎত্রবসু খরদং মাঙ.বা অসি মহৌশাগী হৌনবীনি।

অয়াম্বনা মাসিবু অরীকপনি হায়দুনা তুকচনৈ। নংগী নশেল লৈজরিবা অদুনা নশাগী নম্রগা নংগী ওইবা কনাগুম্বগী কান্নবা তৌবদা নংনা পাম্মরবদি নং অরীকপনি। মীনা নংবু য়েংনীংদবা য়াই। নশানা গুম্মক লাম্নবা মীদা চাক চথোম অমতং পীজবা ঙমদ্রবা, খৌরাংলবা মীদা খুজোক অমতং পীথকীংদ্রবা ; নশানা তেরা মোম্পাক্তা হীপ্লগা থোঙদা নোং তাবা অহিংদা চঙ.লকপাঅতিথিবু তাম্থোকপদা নশাদা করি অমতা হঙ্গোইবা পোক্তবা নংদি অরীকপনি, ঐখোই নংবু তুকচদবা ঙম্মোই। নশাগীদসু শীজিন্নদবা অদুগা লৈবাক্কী করিগুম্বা কান্নবা থবক অমতং তৌবদসু শীশিন্নবা ঙমদ্রবদি নংগী শেল অদুগী কান্নফম ঐখোই খংদে— নহাক থাঙ্গেশংবা অরীকপনি। অদুগুম্বা অরীকপা নহাক্না ঐখোইনা কান্নবনি হায়বা উদ্রবা অমসুং খন্দ্রবা থবক্তা অমরোমদা মাঙ.হল্লগা ঐখোইদা অরীকপা শীবদি ঐখোই য়ানীংদে। ঐখোইনা ইশাগী শেংপা নম্রগা চাবদি চাং কক্লনা লৈবাক্কী নম্রগা কনাগুম্বগী কান্নবা তৌনবা হোৎনববদি ঐখোইবু ঙনীবপা হায়গনু— ঐখোই যাবা ঙম্মোই। অরীকপা হায়বা অসিদি অভ্যাসনা পোকপা অপাম্বনি। চাং নাইনা চাদীং তৌবা হায়বা অসিদা মরম থোইদোকপা অমগীদমক মশানা খঙ.না পুনশিনবনি। মাসি ওইবসু য়াই, ওইদবসু য়াই হায়বা য়াই। তৌইগুম্বসুং অরীকপা মীগী লক্ষ্যদি অহোবনি— চাং নাইনা চাদীং তৌবা মীগী উদ্দেশ্যদি মশাগী, মাগী মীশিংগী নম্রগা মরৈবাক্কী মরমগীনি। করম্না অনী অসিগী মরম অমতা ওইবা য়াগনি? অদুনা অরীকপবু তুকচৌ, ঐখোই নুংঙাইতবা লৈতে। মখোই অদুদি তেংবান্নবদা অরেম্বদা লাক্লগা, অরেম্বদা চৎখিগদৌবনি কনিনা করি হায়— নংদি ইনাক খুল্লবসু লাইরবনি ; লোলানা মনগন্দা সনা মতুম পুবগুম্না নংসু নংগী লনগী ময়োম পুদুনা য়না তাইবংপানগী লমদা চৎলিবনি ; মমৈদা অশিতনা নংগী অক্লম্বা অদু কোকহল্লগদবনি।" ঐখোইনা চাং নাইনা চাদীং তৌবা হায়রিবা অসিদি অদুগুম্বা অরীকপগী অর্থ নত্তে। অয়াম্বনা ফাদোকপনা পুকচেল চাওবগী খুদম্নি হায়না খল্লি, তৌইগুম্বসুং মাদুসু ঐখোই য়ানীংদে : নংগা ঐগা পুকচেল তিম্নদবনা নংনা অফবনি হায়না নীংবা অদু ঐনা নীংদবা য়াই হায়বদি চুম্মি। তৌইগুম্বসুং মরম লৈতবা থবক্তা নংনা ৱাথল তৌদনা চাদীং তৌরবদি ফাদোকপনি। মমা মপা, মতুমচা অমসুং য়োকফম থোকপা মীশিংবু য়োক থাকপা ঙসি মীওইবগী তৌদবা য়াদ্রবা থবক্নি। মদুনা করি হায়রি— ফত্তবা থবক চাম তৌবা তারবা মকসু হায়রিবশিং অসিবু য়োক্কদবনি। মখোইবু য়োক থাকপা ঙমদ্রবদি তানশিল্লুবা পুণ্য অপুম্বা ম্নরেম্বনি—

মহাক শোয়দনা নরক তাই"। মশাগী হুংঙাইবা অমসুং মশাগী হুংঙাইবগী ময়াই কাবনা ফাদোকপা তমগ্রবা মী অদো মমৈদা করম্না অরাবদা তাবগে হায়বা অদু পৃথিবীগী মকম পুন্নমক্তা মতম পুন্নমক্তা ঐখোইনা তত্তনা উবা ফংই। মতম অমদা সনা লুপাগী মথক্তা য়োক্নুনা চাউরবা কয়ানা ঙসি ভিক্কাগীদমক কোয়না চংপা ঐখোইবু উদবরা ? করিগীনো— মরু ওইবা মরমদি ফাদোকপদগী। অচৌ অশাং হায়না খঙনরবা কয়াগী মচানা মপানা রানা পুনশিন্নম্বা শেল কয়া ফাদোকমনবদগী লোইথোকহনখিছনা লম্বীগী চাকনিবা ওইখিবা ঐখোইবু তত্তনা উদবরা ? মাদুবু নংনা অশিংবা হায়গদরা নত্রগা রাখল থেনবা হায়গদরা ?

অদুগা অমুক য়েংউ— পুকচেন চাউবগী থবক্তা চাং নাইনা চাদীং তৌবগা নরুবা মরী লৈ; অসুপক্কী মতীক নরুরি, চাং নাইনা চাদীং তৌবা পুকচেল চাউবগী থবক ফাওবা পাঙবা ঙমদবা যাওরি। মাসি তৌগদবা থবক্তা মায় ওনশিনবগী মরু ওইবা শরুক অমনি। নংনা নরৈবাক নত্রগা নংগী জাতিগী সেবা তৌববু থাঙ্গৈশেংবা পুকচেল চাউবগী থবক্তি হায়না নীংলবদি চাং নাইনা চাদীং তৌবা তম্ম্— মরমদি পুন্সীগী অহানবা শরুক্তগী চাং নাইনা চাদীং তৌবা ঙমহৌত্রবা নিপা অদুগী মফমদগী মরৈবাক অমসুং মাগী জাতিগী মীশিংনা করি আশা তৌফম লৈবগে? তানশিনবা শেন্না মফম মফমদা মহৈ শন্দোরুবা মহৈ তম্ফম লিংখৎলিবা, পাম্বৈ লৈত্রবা পিতৎপাতৎলবা অঙাং কয়াগী মপা মমাগী শরুক ওইরিবা মীশিং অসিবু নংনা অহানবদগী পুকচেন চাউবা হায়দনা অরীকপা হায়গেরা? অনংবা অনাবা কয়ানা মাগী থৌজান্না লায়েংবা ফংলিবা, চঙজফম লৈত্রবা লংফৈচংপা কয়ানা মাগী থৌজান্না চঙজফম ফংলিবা, জাতীবু পৃথীদা মশক খঙহল্লিবা মীশিং অদুবু নংনা ইখৎ, খঙদনা অহানবদগী অরীকপা কৌগেরা? নংগী, ঐগী, মাগী খন্দনা পুন্নমক্কী ফননবা হোৎনরিবা মীশিং অদুবু নংনা পুকচেন চাউবা কৌনীংত্রা? হায়রিবা মীশিং অসিনা মখোইনা তানশিন্দবা পুন্নমকপু খুৎ নামনা তাল্লগা খুৎ নামনা লমদা থাগী তেবা মফোল পাইবগুম পাইথোকহনগ্রবদি নত্রগা চাহৈবা চাহৈদবা শোকহৈবা শোকহৈদবা খন্দনা হুংঙাইবগী ঈচেন্দা তাঙবা পুন্নমক তাউথোকহনগ্রবদি মখোইনা পুকচেন চাউবগী থবক পুন্নমক অসি তৌবা ঙমলম্রোই- দবনি। ওইবা য়াই— মহাক্কী অকোয়বদা খোইমুগী লীচংপাম্বা মীশিংনা লৈহী চুপ্পবগীদমক ঙং ঙং ঙংলবা য়াই। তৌইগুম্বসুং মতমগী মতুং ইন্না মাগী লৈহীনা কংগ্রবদা খোইমুরাবা খাংজেংবা অদু অমুক হন্না মাগী মনাক্তা পাইরকউই? মতম অমদা মখোইগুম্বা চামনা নংগী নিংথিবা গুণবু "গুণ গুণ" হায়বা স্বরনা ঙংলম্বা অমুক ননাকোংদা তাবা ফংলোই? মখোইগী মুংশিবা চিরোনগা লোয়ন লোয়ননা মাগী মমিংসু পৃথীদগী মুৎখিবা মশানা তাবনি। নংনা মখোই অদুবু পুকচেন চাউবা ফনা কৌনীংদনসু ঐখোইদি মাদু য়াবা ঙমদে নত্রগা য়াবা পামদে। পুকচেল চাউনা পোকপা মী কয়া চাং নাইনা চাদীং তৌবা হৈতবদগী ঙসি ফাওবা মীওইবগী থমোইবু অবাবনা চাকহনবগে হায়বদু ঐখোইনা অচৌবা মী কয়ামরুমগী জীবন চরিত পারগা খঙবা

ওম্মি। বাঙ্গালাগী মাইকেল মধুসূদন দত্তনা দাতব্য চিৎকিসালয়দা শিখিবা করিননো? ইংলণ্ডগী মমিং চৎলবা কবি সেলিনা অহুপ নংখিবগী মরম নং তাব্রা? সেরিগুম্না লমন তোম্না, লায়েংবা ফংদনা অনাবগী অৱাবা থাঙহুনা শিখিবগী মরম অতৈ করিসু নত্তে; মহাক্কী ওইথোক্কবা ফাদোকপা ওলিভার গোল্ডস্মিথগী ৱা থন্নু—অহুপ চাউরবা কবি, মমিং চৎলবা লেখকনা মরক মরক্তা চরা হেনবগী ইকাইবা ফংখিবা করিগীনো?—মরম অতৈ করিসু নত্তে—মহাক্কী পীনহৈবগা লোয়নবা ফাদোকপা। মথোইনা মীগী মপাল তাংবা হায়বা অসি পুকচেন চাউবগী থবক নত্তে হায়বা খঙলম্মবদি শোয়দনা চাং নাইনা চাদীং তৌবা তম্মগদবনি। পৃথিবী অসিদা অঙ্কবা থবকপু শেনগা মরী লৈ হায়বা খঙলম্মবদি মথোইনা ফাদোকপগী মহুত্তা চাং নাইনা চাদীং তৌনবগী চেকশিল্লমগদবনি। অদু ওইরবদি হৌজিক খল্লে—জাতীয় জীবন চাওখৎনবগী মরীদা চাং নাইনা চাদীং তৌবনা কয়া কান্নবগে?

রুহিগী মশক মশক ওইরবা ধর্ম্ম অমসুং হেনমল্লবা হরাও কুম্মৈনা জাতীয় অর্থনীতি হুম্বহনবা চুমদে। শেল তান্নবা লগী হেঙ্গৎহন্দুন', অফংবা শেন্না ঐখোই ইশাগী অমসুং ইরৈবাক্কী চাওখৎনবা হোৎনবা চুম্মি।



ঈশ্বর ভক্তি

ঐখোইগী শংবানরবী নিংথিরবা পৃথিবী অসি মতম অমদা মহী চেন্নবা মৈ মতুম অমগুম্না মালংদা লৈহুনা লৈরম্মি,— ঈশিং কংফালগী খেন্নবা লৈরমদে— পুন্নমক অমতা ওইরম্মি। তুরেল লৈরমদে— তুরেলগী ঈচেল মথক্তা ঈথক্কী জগোই শাবা উরমদে। উ ৱা অমতা হৌরমদে— মরম অত্তুনা বরিগুম্বা উফৈথক্তা পোম্বী চেক্লা অমতসু হুংশিবা কোলোই শক্লমদে। নিংথিবা লৈরাংনা লৈতেংলবা নিংথিবা উরী অমতসু নামিবা মলয়া হুংশিংনা হুহদা হাইহুম্বা উরমদে, লৈহী পাম্বা খোইমু অমতসু হুংশিবা খোঞ্জেল্লা ঙংবা তাবমদে। অতিযাদা থরাম্মিচাক থোক্লম্মি, তৌইগুম্বসুং পৃথিবীদগী কনাগুম্বা মিং অমতনসু মখোইদা হুন্না যেংবা তৌরমদে। হুমিৎ থোক্লম্মি, হুমিৎ তারম্মি— তৌইগুম্বসুং পৃথিবীদগী মিং অমতসু মাহু য়েংনবগীদমক পাঙথোক্লমদে। মতম অত্তুদা য়েংবিনবা মিং, যেংননবা পোং, চাবিনবা, চাননবা, তাবিনবা তাননবা অমতা লৈরমদে— পুন্নমক অমতা ওইনা একাবাব ওইনা লৈরম্মি। মতম অসিদদি ঐখোইগী ইতিহাস অসি লেংলমদ্রি। হৌথিবগী মবোল খঙবা অমসুং কাউদবা অসি ঐখোই মীওইবনা পাম্মি। অত্তুনা ঐখোই মীওইবনা ইতিহাস লেংবা পাম্মি। তৌইগুম্বসুং ঐখোইনা হায়রিবা মতম অসিদি পৃথিবীগী ইতিহাস অমতদসু যাওবা মতাং নত্তে। মধ্য এশিযাদা আর্য্যশিংনা অহানবা লৈরম্মি হায়না ইতিহাসদা যাওই; তৌইগুম্বসুং ঐখোইনা হাযরিবা মতম অসিগা চাংদম্নরবদি মাহু ঙরাং য়াম্মল্লি হাযবগা ঙসাইবাইদা থোকখিবা খৌদোক্তি হাযবা যাই। মতম অসিদদি ইতিহাস ইতিহাসগী মচাক ইতিহাস লেংবা কনা অমতা লৈবমদ্রি। মাসিদি ইতিহাস পুন্নমক্তা খঙবদি খঙনীংবা তৌইগুম্বসুং খঙহৌ তাহৌ উহৌবদি লৈত্রবা মতমনি। তৌইগুম্বসুং মমৈদা— মতুং কাইনথংদা— ঈশিংদা কোঞ্জোল কাবগুম্না মপুগী খুৎশেমগী মপাস নাইত্রবা অয়েবগী মতুং ইন্না পৃথিবী অসিদা মথং মথং উ-ৱা, নাপী-শিংবী, জীবজন্তু চোংথোরক্লে।— জীবনা অহানবদা মতুংদা শা, ঙা, তাইবংমী মথং মথং। তৌইগুম্বসুং কবিগুম্বা ইতিহাস অমতনসু মাহুগী সাক্ষী পীবা ঙমদে। লৈনুংদা লৈবা শক্কঙাক্কগী মান্নবা মান্নদবা নত্রগা পৃথিবীগী মবমগী অয়াম্বা তত্ত্বদগী লৌহুনা ওইবা য়াবা ৱা খরদি খঙবসু যাই; তৌইগুম্বসুং মাহুদি ঐখোইগী ইতিহাস অসিদা লৌনবা ৱাবা হিবম থোক্তে। মতুংদা কবন্না পাম্মৈ লৈত্রবা, মহৈ হৈত্রবা, হৌনবা খঙত্রবা মীওইবনা মীওইবা অপুম্বগী পুক্নীগী অহানবা মতাং অত্তুদা জীব নত্রগা বনগী শা উচেক অতৈ অতৈগা লোয়ননা বন বনদা কোযরম্বা— অযিং অশাবদগী মশা কন্ননবগীদমক করন্না চীংনুংহুৎ নত্রগা উখুং অহোবদা লোৎলম্বা; মতুংদা অত্তুগুম্বা মী অত্তুমক্তা হৌজিক অসিদা মথোল ৪৫ নিফুমঙা লোঙবা দলানগী মথক্তা সনাগী কাংথোন্দা লুপাগী মোম্পাক থাহুনা হীপ্নবা অত্তুগা সনাগী টেবিল মথক্তা লুপাগী পুখম তেঞ্জোত্তা অমুকমকস্ত খোংগনি হায়বা খঙলমদবা অত্তুনা চামরকহুম্না থোংলবা মনি মুক্তা, হীরাগুম্বা চিঙ্গাক ঙাক্তা হাপ্পুনা চারবা, তাবদা অঙকপনি। ঐখোইগী ইতিহাসনা হায়রিবা মতাং অসিৱাইদগী অবাপ্পদা

মুৎলি মুৎলি, মশেল মরাং, কুপক্ষেৎ কাক্ষেৎ উই। অতুনবু অমুক খঙনীংনা ঐখোইনা ইতিহাসদা য়েংবনি। মতম অমদা প্রকৃতিগী অকিবা মূর্ত্তি বস্তু নোংথাং উবদা নক্রগা তাবদা ইমুংগী কাচিন্দা কবিনা মিৎ অনীমক উইশিন্দুনা, নাকোং মেনশিন্দুনা লোৎলম্মি; হৌজিক্তি অতুগুম্বা মী অতুমক্তা নোংথাংনচিংবা প্রকৃতিগী শকফম অতুদা অকিবা অপুন্না থাদোক্তুনা মাগী মথক্তা রায়েল থৌদাবা ওয়ে— খনবদা অঙকপনি। মতম অমদা রা ওাংবা শেংবা ওমমদে— অতুবু হৌজিক্তি রাহৈ লিশিং লিশিং শেমদুনা মপুক্তা নীংলিবা অতু ফোংদোকপা ওয়ে। মতম অমদা মশাগী খুৎশা তরা ফাওবা থীবা ওমমদে, হৌজিক্তি অতিয়াগী থরাম্মিচাক ফাওবা চীথদনা থীবা ওয়ে। হৌজিক ঐখোই অসি মীওইবগী নক্রগা জীবগী ফনা রাংলথা থাক্তা কারে।

অসুম্না প্রকৃতি কৌবী ইমানা, উ রা, নাপী-শিংবী, জীবজন্তু পুন্নমক্কা লোয়ননা ঐখোই মীওইববুসু পোকপিরে; তৌইগুম্বসুং মতম অতুগী মীগা হৌজিকী মীগা অসিদি জাৎ অমতনি হায়বা ফাওবা য়াদে। মরমদি ঐখোইনা মীওইবা হায়বা মিংথোল অসি ফংবদি মতুং কাইনথংদনি— অসিগী মমাংদদি ঐখোইসু জীব অতৈগুম্না বন বনদা কোয়না কোয়না চত্তুনা অফংবা উইহৈ রাহৈ চাদুনা অফংবা জুগোৎ চাবা মফমদা হিপ চাদুনা পাল্লম্বনি, ঐখোইসু, মতম অতুদগী জীব ওইরে হায়বদি চুম্মি— তৌইগুম্বসুং মীওইবা হায়বা মিংথোল অসি ফংবদি তুংদনি। মতম অতুগী রা অসিদি জীবগী ইতিহাসনি হায়বদি য়াই; তৌইগুম্বসুং মীওইবগী ইতিহাস হৌবদি মতুং কায়নথংদনি। জীব ওইরিঙৈগী মতম অতুদদি মীওইবা অসিসু য়াম্না নুংঙাইরম্মি— অরা অনাবা করিমতা লৈরমদে; অরাৎ অপাবগী অন্নাবা খঙলমদে — ঐখোইনা অবোক্কী রারীদা তাবা ফংডি— মতম অতুদি চাক পাম্বী হৌরম্মি— ইনশাং মথেল খুদীংমক্কী শরেং থোংবা ঙাফক থোংবা, ঙক্রা অতাউবা জাৎ পুন্নমক্কী পাম্বী হৌরম্মি— মী ওইবনা চাক ইনশাং পাম্বী ময়াম অতুগী মরক্তা কোয়চৎ চৎলদুনা চানীং চনীংবা মথেল অতু হেক্কুনা হেক্কুনা চারম্মি। আদম মতৈ মনাওনা করাম্বদগী লৌশিংগী উইহৈ চারুদুনা মতুংদা ঐখোই অমুক নংশ্রিবনি। থা নেয়া থোক্কুনা থাওমৈ চঙলমদে— থাদা হৌবা হৈবোং পাম্বীদগী হৈবোং হেক্কুনা চাবা ফংলম্মি— মতুংদা হমুবা হমুবীনা ইনথৎথিদুনা অমুক রাংখৎশ্রিবনি। অসিনচিংবা মতম অতুগী ইতিহাসদি অঙকপা থৌদোক ওাক্তনি— অঙকপা রা ওাক্তনি। কল্পনা রাখল অমসুং ফাওবগী পাঙ্গল নত্তনদি মাতুগী শামিল ফংবা লুই। মরমদি মতম অতু ফাওবদি ঐখোইগী জাৎ অসি মী ওইরমদ্রি। মতম অতুগী ইতিহাস অতুদি মীওইবগী ইতিহাস নত্রি, মাতুদি জীবগী ইতিহাসনি। মতম অতুদসু ধর্ম্ম লৈরম্বা য়াই, তৌইগুম্বসুং মাতু জীবধর্ম্মনি, মানবধর্ম্ম হায়বদি মীওইবগী ধর্ম্ম নত্তে।

মী ওইশ্রিঙৈগী মতম অতুদদি মীওইবসু জীব অতৈগুম্না বন্দা, নারক্তা লমহাংদা, চীংদা লোক্তা কোয়চৎ চৎত্তুনা অফংবা ফাদুনা চারম্মি, অফংবা হেক্কুনা চারম্মি— মতম অতুদা মশা মশা কন্নবা লান তৌরম্মি। খুজিনগা-খুতুমগা, মায়গা-চৈগা, থোঙ পাকা— মচীগা [illegible] লাম্ন

তৌরম্মি। তৌইগুম্বম্নুং মতম অতুদা মীওইবনা খ্বাইদগী মরাইবক থীরম্মি। মীওইবগী খুজিন্দি মশা কনবা ঙম্নবা থৌদে; মীওইবগী ময়াদি অতোপ্পা জীব অমবু ঙম্নবা থৌবা নত্তে; মীগী মকোক্তা মচী অমা ফাওবা পান্দে অতুনা হিংতুনা পাম্নবগী মরমদা পাঙ্গল শোল্লবা মীওইবনা তুংদা রারগদৌবা উত্তুনা ঈশ্বরনা মীওইবনা চাজরনবা লৌশিংগী পাম্বী থাবিরম্বনি মাতু এডেম মতৈ মনাওনা চানীংতুনা ঙাক্তা তৌবা নত্তে— চাদবা য়াদবনি। মপুগী হৈকোল অসিদা হিংতুনা লৈবা য়ানবা মাতু চকবনি। মাতুদগী মীওইবনা পুথোক্লে— ঐখোই অশোনবগীদি হিংতুনা পানগে হায়রবদি পুন্না তাদবা য়াদ্রে, নত্রবদি জীব অতৈদগী ঐখোইগী ইশা কনবা লুবা তারে। অতুদগী ঐখোইনা জীব অতৈদগী তোঙান তাদনা মীওইবা হায়বা মিংথোল অসি লৌরে। অমস্তুং পুন্না তাবা যানবা অহানবগী অয়াম্বা জীবধর্ম্মস্তু থাদোক্তবা য়াদ্রে। অহানবা মনীং মথা তন্না লৈদনা মানা মানা পাম্বা তৌনরম্বা অদু হৌজিক্তি য়াদ্রে— সমাজগী নিয়মগী মথা পোল্লে— লৈবাক্কী রুহি য়েংদবা যাদ্রে, নত্রবদি ময়ামগী দণ্ডি ফংবা তাই। অমগা অমগা চান্নদবা য়াদ্রে, নত্রবদি মশাগী অমাঙবনি। অমগা অমগা য়ানদতুনা য়েংথীরবস্তু লৈবাক্লা রাযেল চঙদবা য়াদ্রে। মাতু য়েংননবা মী থমদবা যাদ্রে— নত্রবদি ঐখোই পুন্না তাবদা অকায়বা লাকপা য়াই— পুন্না তাদ্রবদি কৈগুম, শামুগুম ঐখোইদি তোঙামা হিংতুনা পানবা লুবা তাই। মরম অতুনা নিংথৌ থম্বা তাবে। পুন্না তাবা কাযদবা শীন্নবা। অমুন্না জীবদ ওইরিঙৈদা জীবধর্ম্ম হাযবদি মশাগী হিংতুনা পানবা য়ানবা নাইদা থিনম্বা মীওইবদো হৌজিক্তি মশাগীগা লোয়ননা অতৈগী খন্দবা য়াদ্রে— নত্রবদি হিংতুনা পানবা [illegible] হাযবা উবে। অসিদগী হৌতুনা মীওইবগী তৌগদবা অসি অনী থোক্লে— মশাদা তৌগদবা, অমস্তুং অতোপ্পদা তৌগদবা। মশাগী জীব ওইবদি লৌরিবনিনা মীওইবনা মশাগী খন্দনা মীগী ঙাক্তা খন্দুনা লৈবস্তু য়াদে; মী ওইরবা অসিদদি মীগী অমুক খন্দ্রবস্তু মশাগী জীব ওইবা ফাওবা মুৎপা তাই। তৌইগুম্বস্তুং অসিগুম্বা তৌগদবা অনী অসি মীওইবগী সমাজনা লেপ্পবা অসিমক্তদস্তু মীওইবনা করিগুম্বা অমতং তৌগদবা রাৎলি হায়না মপুক্তা নীংঙমদবা ফাওই — তৌগদবা অতু করিনো হায়বা অতু মীওইবনা থাঙ্গৈশেংনা পুথোকপদি ঙমদ্রে; তৌইগুম্বস্তুং নবিগুম্বা অমা চীথহৌরগুম্না মপুক্লীংগী থুপ্লবা মফম অমদা ফাওবমথৈদি ফাওদনা মাদু থিননবগীদমক নত্রগা খঙননবগীদমক মথক্তা য়েংখৎলি, মথাদা য়েংথৈ— য়েস্তা, ওইদা, মাঙদা তুংদা মফম পুনমক্তা যেংই; তৌইগুম্বস্তুং মাদু করিনো হায়বা ঙসি ফাওবা থিবতনি; খঙলে হায়বদি কনাস্তু ঈচং থৌনা হায়বা ঙমদ্রে। মরমদি মীওইবগী রাখল অসি হৌজিক্তি মপুং ফারে— অমুক খোঙকাপ অমতং ফাওবা হেন্থফম লৈত্রে হায়বদি নত্তে, মাসি চাওখৎপা নাইবা পোৎশক্লি। তাইবং মীনা তাইবংপানবগী খর খঙ,,ঙ, অদুগা খরদি খঙদ্রি খরদি মথোইগী লৌশিং অমস্তুং রাখলগী ঙমখৈগী মন্নুংদনি; খরনা মাদুগী রাংমদনি। মাসিগী ঙমথৈ অসি মীওইবগী মৈহৌবোন্দা মমাংঙৈদগী লৈরক্লে অমস্তুং লৈখিগদৌরি। মাদুগী মরক্তা মীওইবনা অখঙবা অদু বযামকন্মু মুংশি, কয়ামরুম অমবু মুংশিদে অদুগা কয়ামরুম অমবুনা মুংশিদবা য়াদদনা মুংশি। অদুগা

মখোইনা খঙদবা শরুক অদ্দি মখোইনা সুংশিবা ওমদে ; সুংশিগে হায়না নীংবা ওমদে অদগদি সুংশিরোই হায়না নীংউবস্তু কি ; কিবমখৈ নত্তনা তৌফম খঙদে। মমাঙদনা হায়রে, মীওইবগী অখোইবা খুৎলাই হায়ববু জ্ঞান অমস্তুং রাখস্তনি। অদনা মখোইগী জ্ঞানগী রাংমদা লৈগ্রবা পোৎ অত্তুদি কিবা নত্তনা মখোইগী তৌনিঙাই লৈতে। মাত্তু মখোইগী পাঙ্গলগী মপান্দা লৈগ্রে ; মরম অত্তুনা মীনা য়াম্না চেকশিন্না, পান্থৈ অমা উদনা অমস্তুং য়ান্না রাশা তাইবংপানবগী জ্ঞানগী মপান্দা লৈগ্রবা শরুক অত্তুদা মমিং কুপ্তনা য়েংত্তুনা লৈ, লৈশি লৈথোল্লি, চীরোন তৌই ; মাসিতনা অশোনবগী পান্থৈনি পান্থৈ লৈতবগী পাঙ্গলনি ; মশা কন্নবগী মাসিত্রনা অথোইবা সহায়নি। মীওইবগী অমম্বা থমোইদা অহানবা জ্ঞানগী মঙাল হেক তাবমক্তদা মপুক্লীংদা খঙনীংবা অমা পোক্লে— মহাক অসি কদাইদগী লাকপনো? কনানা মহাকপু তাইবং পানবগী নিংথিরবা লৈকোল নত্রগা হৈকোল অসিদা অস্তুম্না সুংঙাইজনবা, কোয়জনবা চাজনবা, হরাও কুম্মে তৌননবা থাদোকপিরম্মিবনো ; থাদোকপিরম্মগা মহাক্না জ্ঞানগী মঙাল ফংদ্রিঙৈদা কদাইদা চীকমাঙনগ্রবা নত্রগা লোৎগ্রবা? অসিনচিংবা অসি মীওইবগী মপুক্লীংদা থাঙ্গৈশেংনা থিনীংলক্লে। কনানা মাসিবু অয়স্থনি, নত্রগা পাঙদবনি হায়বগে? হায়রবস্তু কিনা, মাগী থমোইগী অথুপ্পা মফমদদি য়াম্না চিংন চিংননা। অত্তুনা মীওইবা পুন্নমক্না অপঙবা, অশিংবা, অচৌ অপিশক খায়দনা জগৎকী উবা ফংদ্রবা, খঙবা ওমদ্রবা শক্তি অত্তুবু পেলহন্নবা লাক্লরি— অমস্তুং মাত্তুবু পেলহল্লবতদা মখোইগী মঙ্গল ওইগনি হায়না থাজরি। মাসিমক মীওইবগী অহুমশুরকপা তৌগদবা অমা ওইনা লৌনরে। অস্তুন্না মীওইবনা শুক্ষৎনবগী মশক ওইরবা শৈরেং, ঙকপা পুথোকপগী খুদম্না থল্লবা রারেংদা উত্তনা লাইয়েংবগী অনৌবা হীরম পুথোক্লবগী লমদা শীজিন্নরম্লবদি কদায়মখৈ মহৈ য়াল্লমগদগে— মাত্তুনা কদায়ফাওবা মশাগী অমহুং ঐথোই তাইবং মীগী কান্নরমগদগে হায়না ঐথোই হায়বা ওমদে। নিউটন্না মাগী বিজ্ঞানগী অওইবা থিবা তৌক্লুনা কল্পনাগী মশা পান্দুনা অরাংবা অতিয়াদা কোয়পাই পাইনবা হোৎনরম্লবদি মাত্তু কয়ায়াম্না মহৈ য়াল্লমগদগে হায়বা ঐথোই খঙদে। ঈশ্বরনা ঐথোইদা তোঙান তোঙানবা স্বভাব প্রকৃতি পীনবিরম্মি— মাত্তুনা কনানা সাহিত্যগী থোৎন থুরবা মহীদং থক্লগা পেল্লি ; কনানা লানগী য়াক্লবা নোংমৈ তোপকী খোঞ্জেল তারগা মপুক্তা সুংঙাইবা পোকই। অস্তুম্না তাইবং মীওইবগী প্রকৃতি অসি শন্না অমবু শরুক চামনিপাল থোকপদগীস্তু হেন্না কুপই। মফম মতম অমস্তুং তত্বগী মতুং ইন্না অমুক মাত্তু মশক তোঙান তোঙানথি। ইবাঙানিমক শাম্নবা পান্মি— অত্তুদা নংনা নুমিং চুপ্পা চৌবর শাম্নদনা লেনবা পান্মি অদগা ঐনা লম্পাক্তা খোক্তুনা খোজাউবী শাম্নবা পান্মি। তৌইগুম্বস্তুং ইবাঙানিগী প্রকৃতিদদি অনীমক শাম্নবা পাম্বা ঙাক্তনি। ইবিঙানিগী স্বভাবকী মশক অসি অসিগুম্বা মফমদদি মফম মতম নত্রগা অবস্থা মতুং ইন্না ওনথিবনি। অসিনচিংবা মফমদা ঐথোইনা হায়বা তাই— তাইবং পানবদা মতীক মগুণ হায়দনা লৈরিবা অসি মী অমদা সুনা লৈতে— অদবু ওইরম্লবদি মাধ্যকর্ষন শক্তি পুথোকপা শক্তি অদমক্না ওথেলো লেংবগী থবকস্তু তৌদনা মীগী নোম্বা ময়েং তারমগদবনি। কনানা মিংকী শক্তি অসি অস্তুপকী মতীক

কল্লি কল্লিগুম্বা চিত্র অমা য়েংবমক্তদা খুদোম্বী থিন্দুনা অসিদা শোয়রে অসিদা ফরে হায়দনা ভাকপা ওল্লি ; ঐদি মাহ্ন য়েংলগা য়া কাবা নত্তনা হায়ফম খওদে। অদমদি ওইরগা নিপা অদ অমুক ঈশৈদা অদম্না মুংঙাইবা ফাওরিব্রা, পাম্বিগদ্রা হায়বা ওমদে। কনানা অক্ষ শাস্ত্রগী মহুংদা লৈরিবা রস অদ লাইনীংবা মুনিগুম্না ধ্যান তৌদনা মপুক পেন্না থল্লি। কনা অমনা মাদগী চঙফম থোওজিন ফাওবা খওদে। করিগুম্বা থেংনরুরবস্থ থোকফম খওদে, অদগা মানা শৈরেংগী ঈচেনবুদি মন্দাকিনীগী ঈংলবা ঈরানি হায়না খন্দুনা খুজোক খুজোক য়াদনা থল্লি— অদনা হায়বা তাই— মহৌশানা লৈরম্বা প্রতিভা অদগী মতুং ইন্না মীগী অপাম্বা পোকই। খুদমগী কান্নগদবা লৈরবদি মথক্কী অসিদা নত্তনা য়ান্না হেনগৎহনবা য়াই। ঐখোইনা প্রতিভাগী মরমদা ইবদা মহাক্কী ঈচেল মতুং ইন্না হায়দবা য়াদবা রা থরা হায়রে ; তৌইগুম্বস্নং অমুক হেনজিন্না হায়ত্নুনা অরেম্বদা রারেং অসি শাং— দোকহন্নরোই। তাইবংপানবা মপুনা মহাকপু পাঙলু হায়দনা থারকপা থবক অদদা মথক্তা হায়রিবা লাইপোকুম্বা মীশিং অদনা মশানা অহানবদগী মরাইনা পামজরকপনি। ঐখোই, নখোই, মখোই কনানা মাদদা ইনশিনবা চংদে ঐখোইনা ওম্বা হায়ববু— দোলাই তোংবগীদমক রাইকুপ পুনীনা রাই হায়দনা মাগী মরমদা খনবা, ইবা ভাংবা মখৈতনি। মমিং চংলবা জেমস রাটনা অহানবদা কদৌভৈদস্থ ঈশৈ ইদনা শান্নরম্মি হায়বা য়ারোই ; নংনা হাযরবস্থ ঐখোইনা থাজবা ওম্মোই। মহাকনা য়েনহৌভৈদগী কনাগী থৌইনশিন য়াওদনা কলযন্ত্রগী হিরমদা পুক্লীং চঙলকপা মশানা তাবনি। থল্ল— টোমাস আলভা এডিসননা অহানবদগী কদাইদগী শৈরেং অফ ফত্তবগী রাখল তৌরমগবনো? মহাক্কী রাখল অহানবদগী হৌনা ভান্নুনা করম্না মক্কম কোনবা, করম্না মচা থোরকপা অদোমদা খনবা অসি মহৌশানি। অদনবু মহাক্কী লাইনা পীরকপা প্রতিভানা— ঐখোইদা গ্রামোফোনগী মুংশিবা ঈশৈ— অরাপ্পদা থোকপা থবক থৌদোক পুন্নমক সিনেমাগী য়ুথল মথক্তা উবা ফংলিবনি। শন্না হায়রবদা ঐখোইনা মথক্তা হাযপ্রবা অত্নুনি মহাকপু লাইনা পাঙথোকউ হায়দনা থারকপা থবক অদদা নত্তনা মানা কদৌভৈদস্থ অতোপ্পা হীরমদা পুক্লীং চঙফম থোক্তে। অদগা তম্বনা প্রতিভাগী মথৌ শঙিঙ হায়বদি ঐখোইনা মথক্তা হায়গ্রে। অনৌবা হীরম অমা পুথোক্কে হায়রবদি অরিবা হান্না খঙবা তাই ; অরিবা অদম্না নৈনদনা অনৌবা পুথোকপা য়াদে ; অদনা তম্বদি চংদবা য়াদে। অত্নগা তম্বনা প্রতিভা পোকহল্লি হায়বস্থ য়ানীংদে। তমত্নুনা হৈবা মীবু মহৈ মশীং হৈবা মী কৌবা য়াই। তৌইগুম্বস্নং মাত্নুনা— মহৈ অদনা মখোইবু অনৌবগী মহাকপু শেম্বা মপুন্নি হায়না খল্লবা ঈশ্বরগী রাখল অসে হৌজিক ফাওবা থাদোকপা ওমদ্রে।

তৌইগুম্বস্নং ঈশ্বরভক্তি হায়বা অসিদি থাঙ্গৈশেংবদি জ্ঞান, ভাব অমস্নং কল্পনাদগী পোকপনি। শোংলবা নারক্তা কেতুকীনা মোংশোং মরক্তা লোতনা শাংলি। নারক অত্নুনা চংলিবা নিপা অত্নুনা মমিংনদি লৈ উবা ফংদে, তৌইগুম্বস্নং লৈরাংগী মুংশিরবা মনম অত্নুদি নাতোন্দা পান্দুনা পুক্লিং পেল্লি অমস্নং হেক্লীংবনা পুক্লীং লাঙতক্লরি। ওলাংথাগী য়াচংবা কালদা কনাগুম্বনা হকচীক লাংবা তুরেলগী তোর্ব্বান্দা ফল্লি ; ইংলবা, নামিবা মলয়া মুংশিংনা লিরি লিরি হুল্লি। উনা

অমা ফাওবা লেঙ.দে ; ওলাংথাগী য়াঙ্গংলবা তুরেন্দা ঈথক্কী অরায়বা নত্ৰগা অচম্বা জগোই অমা ফাওবা শত্রে তৌইগুম্বম্সুং হকচাংদদি পান্দুনা ওইথোক্তবা ষুংঙাইবা অমা ফাওরি। ঈশ্বর ভক্তি হায়বা অসিম্সু অত্নুগুম্বনি। বিজ্ঞান নত্তনা অতৈ থাজত্রবা কনাগুম্বনম্সু চিংনবা য়াই— মরম লৈতবা নত্ৰগা থিফম খঙ.দবা, মিৎনা উদবা, নাকোংনা তাদবা, প্রমান য়াওদবা মরম থাজরুবগী কান্নবা লৈতে। তৌইগুম্বম্সুং মাসি শা উচেক্লচিংবগী মহৌশাগী ওইবা লৌশিং নত্ৰগা জ্যামিতিগী মশানা তাজবা স্বতঃ সিদ্ধগুম্বা অমনি। হৃয়িংখোইনা করিগুম্বা খুৎশাহৈবগী তফম অমদা তম্বা লৈতনা, জ্যামিতি করিগুম্বা অরুবা হিরম অমতা খঙ.দনা অঙকপা মহৌশাগী ওইবা লৌশিংনা জ্যামিতি পরিমিতি অনুপাত, ত্রৈরাশিক ত্রিগোনোমিত্রি পুন্নমক শীজিন্নত্নুনা অঙকপা মহুম শারগুম্বনি। হেৌনবা খঙ.দবা, মহৈ মশিং হৈতবা মীনা জ্ঞান বিজ্ঞানগী ৱা খল্লুবা নত্তে ; অত্নুমদি স্তুইরগা মহৌশাদগী কনাগী থৌইনশিন অমা য়াওদনা ঈশ্বরভক্তি অসি ফংলক্লুনা পোকপগী মহৈ য়াম্নরি। মরম অসিমক্না পৃথিবীগী মফম পুন্নমক্তা, মতম পুন্নমক্তা মীওইবনা ঈশ্বরবু থাজৈ অমস্তুং ঈশ্বরদা ভক্তি থম্বা ওম্নগতা মথৱাইদা ষুংঙাইবা পোকই। কোরৌহনবনা অহিংগী অমম্বা পুন্নমক মাঙ.হন্দুনা অয়ুক্কী মেংলবা মঙাম্না মালেম অপুম্বা হেক ঙালহনবা উবদা পৃথিবীগী থৱাই কোটি কোটি অসিনা মশীং লাকঙমত্রবা ৱাহৈনা, মশীং লাকঙমত্রবা ভাব উক্ত্‌না ঈশ্বরবু লৈশি লৈথোল্লি। অত্নুগা মুমিৎ অত্নুমক্না অমুক নোংচুপ চীংয়া থাংশ্ৰবা, তময়া কোরি চেল্লবা য়াচংবগী অতিয়াদা থোকপা নিংথিবা মঙাল অপুম্বনা তপ্না তপ্না অমম্বগা ত্নিম্নখিবা মতম অত্নুদা অমুক্কা হন্না মশীং নাইত্রবা মীওইবগী মশীং নাইত্রবা খৌনাউনা মশীং নাইত্রবা ৱাহৈ উচ্চারণ তৌত্নুনা খল্লিবা মাবু শেম্বা মপু ঈশ্বর অত্নবু খুরম্বা অমস্তুং মহাক্কী মতীক মগুণ শকপা শোনবা হৌগৎনৈ। ঐখোইনা বিজ্ঞানবু মপুং ফানা থাজৈ। তৌইগুম্বম্সুং ফোংনমক নত্রবস্নু মিৎনা কুইরু কুইরু য়েংত্নুনা ঐখোইনা ঈশ্বরবুস্নু থাজৈ, মী উহন্দনা কুইরু কুইরু য়েংত্নুনা মাবু খুরম্মি অমস্তুং মাগী মতীক মগুণ খোঙ্জেল পীক্না শোল্লি ; ঐখোইনা মাত্নু তৌদবা ঙমদে। পামদ পামদনা মিৎলুদগী পি মরীকমচা শিঙ্হৈ খঙ.হন্দনা মাত্নু মায় তৈথোকই ক্বায়মখৈতনি। অস্নুন্না ঐখোই মীওইবগী লাইৱক ফবনা অশিংবা অপঙ.বা খায়দনা, অচৌ অপিশক নাইদনা ঐখোইনা ঈশ্বরবু থাজৈ অমস্তুং মাবু ভক্তি তৌবা পাম্মি। শা উচেক্লচিংবা জীবদগী ঐখোইনা হেন্দোকপা অসি, মাসি অমনি। শা উচেকশিংগীদি মখোইগী অশেম্বা মপু ঈশ্বরগী ৱাখল লৈরিগত্রা ঐখোইনা হায়বা ঙমদে। ঐখোইনা ৱারী তায় শামুনা মখোংদা লাইরেম্না উমগ্ৰবদা অতোপ্না পাম্বৈ অমা উখিত্রবদা মহাকপু শেম্নকপা মপুগী চরনদা থম্বাল কৎথি— গতি উত্রবা জীবদা গতি পীবিনবা ভক্তি তৌজখি। তৌইগুম্বম্সুং ৱারী অসি কদায়ম্ন ফাওবা চুম্বনো হায়বা ঐখোই খঙদে। ৱারী হায়বা অসিদি ঐখোইগী স্বভাবকী মতুং ইন্না শেম্বনি নত্ৰগা লীবনি। ৱারীদা লমহুইনা কাকপু ঈশৈ শকপা মুংশি হায়দ্না থাগৎলি— করিগী ? মচিন্দা চীক্লিবা শদ্ম অদ্মতা লৌথোক্কে হায়বগী। অপঙবা কাক্না মাদ্ থাজদ্না কাক কাক হায়বা ৱাগদা ঈশৈ হেক হৌরুবদদি মচীন্দগী শদ্ম তাখিরম্মি। লমহুইনৱ মাগী ঈশৈ

তাবা ঙাইখিগদ্রা? মানা নীংবা থুংলে— শাদ্ম পুদ্না চেনখিবা মশানা তাবনি। রারী অসি করিগী?— ঐখোই মীওইবা অসি লৌনম চাওই অশিংবা কনানা অপঙবগী মরল চাথোক্লবগী নমথাক, লৌনম, চীরোন তৌই হায়বনি। ঐসু মতম অমদা লমছুই অদ্ হেক্তা ওই, কনা অমনা কাক হেক মওই। অদ্গুম্বা মী লমছুই, মী কাক পৃথ্বী অসিদা অতাঙবা নত্তে। মীগী থাগৎপগী মতাংদা ঐখোইনা ফজত্রবা মচৎ অমগী রা পনবা অসিদা কনাগুম্বনা দাই হনবা য়াই। তৌইগুম্বসুং ঐখোইনা হায়নীংবদি— মীওইবগী দোষ নত্রগা গুণ অতৈ লৈবসু থওদে। ঐখোইনা মীওইববু থাগৎনীংবা মরম পুন্নমক্তগী— "ঈশ্বরভক্তি" হায়বা অসিনা অথোইবা অমনি। মীওইবনা অৱাবদা তারবদা গতি, অমা উত্রবদা মাবু শেন্বা মপুদা রাকৎলি।— মরমদি মীওইবনা ঈশ্বরবু থাজে। শা উচেকশিংনা মুমিৎ চুপ্পা মচীঞ্জাক থিবা কোয়না কোয়না চৎলি— তৌইগুম্বসুং কনানা মখোইগী মচীঞ্জাক পীবিরিবগে— কনাগী থৌজান্না মহৌশাগী লোইবা খম্বা লৈত্রবা পুক্কে অসিদা মখোইগী চীঞ্জাক ওক্নবা লাঙতুনা থম্বিরম্রিবনো হায়বা নখোইনা খন্দে নত্রগা খঙদে নত্রগা খল্লিগনি অমসুং খঙলিগনি হায়বা নীংদে। শোঙলবা নারক্তা নোংশা কৈনচিংবা লমশানা মনীং তম্না কোয়ন্নি— মপুক্লীংদা কনাবুসু কিবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং কনানা মখোইগী শিংলী শিংলীদা ঈ অমসুং পাঙ্গল হাপ্লিতুনা অসুম্না অসুম্না মুংঙাইনা, অসুম্না অকিবা লৈতনা, অসুম্না মনীং মথা তম্না কোয়বা ঙমহল্লিবনো হায়বা মখোইনা খন্দে নত্রগা খল্লিগনি হায়না নীংদে। মহাকপু শেন্বা মপুগীদমক লাংতক্নবা অসি মীওইবতগীনি। মীওইবনা অহানবা লৌশিংগী মঙাল হেক ফংবদগী মাবু শেন্না মপুবু পুক্নীং লাংতক্নবগা লোয়ননা থিরকইবনি অমসুং থিরিবনি। মখোইনা মাতুগী কদায় ফাওবা মহৈ য়াল্লবগে হায়বা ঐখোই মখোই কনা অমতা খঙদে। তৌইগুম্বসুং ঐখোইনা মাতু তৌদবা ঙমদে, তৌবা পাম্মি। অয়াম্বনা ঐখোইবু চীঞ্জাক লৈফম তান্না পুবা, খৌরাংবনা ঐখোইবু ঈশিং লৈফম তান্না চিংবগুম, মহৌশাগী ওইবা ভক্তিনা ঐখোইবু ঈশ্বরগী মায়কৈরোমদা চিংশিল্লি। অদু নত্তনা ঐখোইসু শা উচেক নত্রগা নোংশা কৈগুম্না লেনবা তারম্নবদি ঐখোই মীওইবা অসি কদায় ফাওবা চাওখৎলমগদগে নত্রগা কদায় ফাওবা তাইবংপানবগী মঙ্গল ওইরমগদগে হায়বা অসি খন্দুনা য়েংবনা চুম্বা অমনি।

ঐখোইনা মথক্তনা হায়খ্রে— ঈশ্বরভক্তি হায়বা অসি মীওইবগী মী— ওইবগী থাগৎনফম মরম ময়াম মরক্তগী অথোইবা অমনি। নংনা থৌজানবু মীওইবগী ধর্ম্মনি হায়না থাজরবদি ঈশ্বরভক্তি কাউগনু— মাতুসু মাতুদা তিল্লবনি। নংনা মুংশিববু মীওইবগী অথোইবা গুণ অমনি হায়না নীংলবদি ঈশ্বরভক্তিবু লুনা খনগদবা— মাতুসু মাতুদা তিনবনি। নংনা মীগী উপকার তৌববু মীওইবগী অশেংবা ধর্ম্মনি হায়না খল্লবদি তেংবানবা মপুদা ভক্তি লৈনবা হোৎনগদবনি— মরমদি মাতুসু মাতুদা তিনবনি— অসুম্না জগৎকী মঙ্গলনি হায়না নীংনরিবা মীওইবগী পুকচেল পুন্নমক অসি ভক্তিগী মতুং ইনবনি। ভাগীরথী গঙ্গানা নিংথি-মুংশিবা খোঙ্গেলগা লোয়ননা হর-জটাদগী

চেম্বরকলগা লমথাঙদা যমুনা সরস্বতীনচিংবা মশীং লাকওমল্লবা ঈচেল মচা মচাগা তিন্নহুনা মপুং ফাবা অমস্থং মমৈদা সাগর সঙ্গম য়োহুনা শাপ কংলবা সগরবংশ লানবিবগুম্না ভক্তিমা মীওইশগী থুপ্লবগীস্থ থুপ্লবা থমোইগী অচীকপা গুহাদগী থোবকুনা লম্বীদা থৌজাল মিথুংশি থুংশিবা, প্রেম অসিনচিংবা অশেংবা পুকচেল পুন্নমক্কী তিন্নহুনা পাপনা চাকপা ভারবা মীওইববু লানবি অমস্থং মপাল নাইব্রবা ভগবং প্রেমগী ঈশাক্তা তিলহনবি। অদুনবু মীওইবগী মপোক ব্রহ্মামক্তা ফংওমল্লবা অতাংবা মপোক্কি হায়বনি।

ঈশ্বর ভক্তি হায়বা অসি মীওইবগীতা ওইবা লাম্ন।
মীগী অফবা পুকচেল অমস্থং ম্বাথল পুন্নমক অসি অসিদগী পোকপনি।
নম্রবদি মীওইবগা জীব অতৈগা খেন্নবা লৈরম্নোইদবনি।



লবঙ্গ লতা

(ফোংখিত্রিবা ড্রামা)

কবি শ্রীখাইরাকপম ৺চাউবা সিংহ, সাহিত্যরত্ন

লবঙ্গ-লতা

অহানবা অংকা

অহানবা দৃশ্য

মণিপুর রাজ দরবার

(রাজবেশ শেৎপা মহারাজ খগেন্দ্রজিৎ সিংহ তাংবন্দ ফম্বা। নাক যেৎ ওইদা)

মনাও ইবুঙো— খ্বাইবাকপা অমসুং য়াইস্কুল লাকপা। মথং মথং মন্ত্রী, অমসুং রাজ পণ্ডিতনচিংবা।

খগেন্দ্র :— মন্ত্রী, ইনাও অনীমক অমসুং রাজ পণ্ডিতনচিংবা লৈবাক্কী অংম অথৌ পুন্নমক। লৈবাক্কী ফত্তবা পাউ নত্রগা প্রজাশিংনা নীংবা থুংদবা করি থোইদোকপা তাবিদেদনা ?

মন্ত্রী :— তাজদে মহারাজ! লৈবাক প্রজা অপুম্বনা মহারাজ খগেন্দ্রজিৎকী জয় বাখান তৌনরি। লৈবাক ঙাকপদা, লৈবাক্কী ফনবা অনৌবা চৎনবী নিয়ম শেম্বদা, সনাহাক্তক অনী অসিদি মম্মিং চৎলগদবনি— মীতৈ বায়েল শঙদা মীতৈ সভা তিনফমদা, মীতৈগী চৎনবী রুহিদা কবিগুম্বা প্রমান লাম্বা ফংদ্রবদা, খাগেম্বা মুংয়াম্বা হাক্তক্তগী চৎনরক্রবনি হাযদুনা শোয়দনা রাতেম্নরবনি মহারাজ।

খ্বাইবাকপা :— প্রজানা কবি ঙাংনবিবা হাযবা অতুদি নমাই অরোনবা তুতনসু নিতিগী হঙ্গৎলরিবতু মঙায়। যুথক্কী মতম ওইরে ননাই যৌবু যৌরক্রগনি।

(অবাপ্পদা যুথক্কী পুং থীনবা— লাউবকপা— হো য়াম্বা শঙ্গাই শঙবা অহানবা যুথক যৌব)

(তুত চংলকপা)

তুত :— 'জয় খগেন্দ্রজিৎ মহারাজকী জয়' (খুবম্বা)

খগেন্দ্র :— তুত! অনৌবা পাউ কবি হায ? প্রজাগী যত্তবা করিসু থোক্তেদনা ? প্রজানা নিংথৌগী কবি করি ফত্তবা ঙাংনবা লৈবগে ?

তুত :— লৈতে মহারাজ। লৈবাক পুন্নমক চীনখুন অমতা ওইনা মহারাজগী জয় বাখান তৌনবি।

খগেন্দ্র :— তুত! মাতু হাযনবগীদমক্তা নংবু হাপ্পা নত্তে। নিংথৌ খগেন্দ্রনা মাগী ফত্তবা তাবগা শাউগনি হায়বা খল্লুগনু। মাগী ফত্তবা তারগা মাতু শেংদোক্লবা হোৎনগে হায়বগীদমক নংবু হাপ্পনি। অদনা চিংনবা লৈতনা হায়যু— এৗমা তৌবদা প্রজানা য়ানীংদবা কবি লৈবগে ?

তুত :— সনা য়াথং তাকপিবা পুন্নমক নমাই ঐ খঙজে মহারাজ। ফত্তবা লৈতবনিনা ননাই এৗনা শেমদনা ফত্তবা বা হঙ্গৎপা ঙমদে মহারাজ!

খগেন্দ্র :— ফৈ, অদনদি চৎলো। (তুত থোকখিবা)

* কবি মশানা ইবম্বা খুৎই ড্রামাদগী লৌথোবচবনি।

য়াইস্কুল লাকপা :— থাঙ্গেশেংবমক, হৌজিক চীংবুরোই তম্বুরোই, চীনখুন অমত্তা ওইনা মহারাজবু থাগৎনরি।

খগেন্দ্র :— মাতুম্ অফবনি, য়াইস্কুল লাকপা। ঐদি লৈবাক প্রজানা ঐবু কৌবদি পামজদে, মুংশিবিবা পামজে— নিংথৌ মশাবু মুংশিজনা লৈবাক্কী আইন কানন কিবা মসি খাগেন্দ্রগী লাইনীংনি। লৈবাক্কী ফরগা নিংথৌগী অফবনি। নিংথৌতগী ফনবা হোৎনবদা লৈবাক্কী মাঙলবদি নিংথৌগীসু ফত্তে, লৈবাক্কীসু ফত্তে। লৈবাক্কীদমক নিংথৌনি, নিংথৌগীদমক লৈবাক ওইবা চুমদে।

পণ্ডিত :— মাতু সনা পুক্লিংদা লৈবত্তনা ওসি মহাবাজগী শাসন অসি মহৈ য়াম্লরিবনি মহারাজ।

খগেন্দ্র : - মন্ত্রী, ইনাও অনী, রাজপণ্ডিত অমসুং অঙম অথৌ পুন্নমক্লা তেংবাংবিবনা ওসি সনা লৈবাক অসি য়েরুতিম্ং লৈতরে। সভাদা ঐনা খঙহনজনীংবা অমতং লৈরে— হন্দক ঐনা বিন্দুসারবদগী ফংজরুই হাযবা থাঙ, অমা তা অমা হায়বত্ত অসিনি— (খাঙ অমসুং তা উৎপা) মাসিবু লৈবাক্কী নিংথৌগী করিগুম্বা ফত্তবদি ওইরোইনকো?

মন্ত্রী :— নবুধৌ পাখংবগী থৌজাননি মহারাজ! য়েরুবা পুম্নমক মাঙহনবা খুংলাইনি। ওসিদগী মহাবাজগী অমসুং পৈবাক্কী মঙ্গল ওইগনি।

খুইরাকপা :— মাতুগীদমক সনা পুক্লিং করি অমতা চিংনবিগন্নু। ইবুধৌ পাখংবগী থৌজাম্না হৌজিক য়েরুতিম্ং অপুম্বা মক ফংনা মাঙলগনি মহারাজ।

যাইস্কুল লাকপা :— লাইনীংথৌ! নুমিদাংদি ওইরে— অতুমকপু রাজসভানি ননাই ঐগী মৎ, অমতং শম্নপা হঙ্গচ্চগে। (নোংপোক ওন্দনা) বসন্তগী পুনিমা অসিমক ওইনা তৌই— পাউনম হিদন অসি ওইনা তৌই— যাম্মুং মহাবাজনা ফজরবা হৈকোন অমদা লেঙশিনবগুম তৌই— মাতুগী দৃশ্য ওন্থোক্লা ফজখ্রে— সনাগী পাম্বী, মনিগী মনা, লুপাগী লৈরাং, পদ্মরাগ মহৈ। সনা তোর্বান্দা লুপাগী মহীনা ঈশিং ওইনা চেল্লি - মাতুদা মনিমুক্তাগী ভানা ইরোইজনা শান্নবি। মনাক্তা সনাগী কমলা পাম্বী অমদা সনাগী নোংইন অনী তোংলি— মহারাজনা তেন্না উচেক অনী অত্থ কাপকে তৌই। মতম অত্থদা উচেক অনী অত্থনা মীরোম্না হায়বগুম তৌই "মহারাজ তেন হৃজিনবিযু— ঐখোইগা য়েরুবদি মহারাজগী ফৎলোই।" অসি হায়জনা উচেক অনী অত্থনা মতু অনী খিকথরমজনা পাইখি। মতম অদমক্তদা শামু লমশা অমনা মহারাজ তন্না ফুজিল্লকলম্মি। য়াম্মুং (খুইরাকপারোমদা) ইচিন ইনাওনা ভাককে হোৎনজবত্ত অরেম্বা তারম্মি। লাইনীংথৌনা উচেক মতু অদনা তেন ওইনা কাপ্পদা শামু অত্থ লাংজা ওল্লজনা মহারাজ তন্না ফুজিল্লকম্মি। অতোপ্পা মতু অদনা অমুক কাপ্পদা লাংজা অত্থ মনি মতুম অমা ওইজনা তারম্মি। মহারাজনা মাদ খুনখিবগুম তৌই। য়াম্মুংগা ঐগদি চেম্থোকলম্মি, ঐদি উপায উদদনা তুবেন্দা চোংথরম্মি।

রাজপণ্ডিত :— অফবা ওইগনি মনাও ইবুংঙো! মহারাজগী দশা মতাংস্থ যরি। বুরুত্যে পূর্ব্ব সংপুগ্রংতপ খ্যাতিঞ্চ পৌকষং গজাশ্ব বাহনং সৌখ্যং স্বদশায়াং বৃহস্পতি: হায়বা অফবা দশা মতাংনি।

(থোঙভাকপা অমা চংলবপা খুরুম্বা)

দ্বারী : মহারাজ। লানগী পাউনি হায়দুনা শগোল তোংবা নিপা অমা থোঙদা থুংলরে।

খগেন্দ্র :— কব্রি হুত। লানগী পাউ হায়বা ? নিপা অদু থুনা অসিদা পুশিল্লবউ।

(দুত খুবমদুনা থোকখিবা— ভাইহন্তুং লৈরগা লবঙ্গ পুদুনা চংলকপা— লবঙ্গ নিংথৌ খুবম্বা)

খগেন্দ্র :— ইপা নংবু কনানো ? নংনা লানগী পাউ পুবকই হায়ববু কদাইদা য়েক্লবা কনানা লান্দাররবগে ? ঐহাক অমসুং রাজসভা অসিনা যাম্না তানিংনা ভাইদুনা লৈরে।

লবঙ্গ :— (খুৎ লোম্নদুনা) ননাই ঐহাক মহারাজ ফক্স্যুং কৈরোই লাকপগী মচানি ; ইমিং লবঙ্গ কৌজৈ। মনিপুর সমা লৈবাক অসিদা থাগীনা লান্দারক্লে, চীথ্নে চীখ্নোংদা লান্বন শাদুনা লৈরে। মাতুদগী লম্লাই, ফকস্নং, পৌবাবীনচিংবা মফমদা চানবা তাঙদুনা মফম পুন্নমক অসিগী মী পুন্নমক য়াম্না নংলে মহারাজ! কনা অমতা চখোক চৎশিন ভর্ন্নদরে। সনাকোম্নুং তাম্না পাউ অসি পুব্রিবনা মী থিফম খঙনখিদ্রে— ননাই ঐনা ইপুকথোক্লা থরাই খুবাক্তা হাপ্তনা লাকচরবনি।

খগেন্দ্র :— মুংঙাইরে অথৌবা। (ময়ামদা ওন্দনা) ভসি তিল্লিবা সভা অসিদি মফম অনী থোক্না কাম্নরে লৈবাক্কী লুচিংবা অঙম অথৌ পুন্নমক মীতৈ জাৎকী ইকাই খুম্নবা ভারবগীদমক, ঐখোইগী মুংশিজববী মাতৃভূমি কন্ননবগীদমক শেম শাবিরো।

(খগেন্দ্র থোকখিবা)

(লানবুং য়ৈবা)

যাইস্কুল লাকপা :— লৈবাক মচাশা। খামেল চৎপা শেৎনীংব্রা ? দোলাই ফৈনা তোংনীংব্রা ? নরৈবাক ভাক্লবগীদমক য়েক্লববু হাৎলো, নম্রগা পাম্মবা তৌদনা নথরায় থাবো। মীতৈ ওইনা পোক্লুনা মীতৈগী ঈনা শিংলিদা চেল্লিভৈদা নরৈবাক্কী দমক থরায় থাবা পাম্মবরা ?

জননী জন্মভূমিশ্চ স্বর্গাদপি গরীয়সী।

লবঙ্গ-লতা

অহানবা অঙ্ক

অহানবা দৃশ্য

নুমিদাংবাই।

খাইরাকপগী লৈকোল।

কুঞ্জলতা অমসুং ইন্দুরেখা লৈ ঈশিং চাইবা।

লতা :— ইতা ইন্দুরেখা। বসন্তগী সন্ধ্যা অসি ওন্থোক্লা নীংথিজখ্রেদকো। নামিবা মলয়া নুংশিৎনা— হৈনম লৈনম পুক্লুনা হুম্মিবসে যেঙেও; কোনৌ হুনবগী মৈচাক্লা পখরম্মবা তাইবং পানবনি — অত্থবু হৌজিক্তি চন্দন খিকপা লৈবাংগুম তেকখৎলে। মালংবদি হুম্নি, অত্থবু, যাঙ্গংলবী ইম্ফাল তুরেলগী ঈ-থক্তা,-ঈথক্তী জগোই অমা ফাওবা শানা উদ্রি।

ইন্দু :— যেঙেঙাই, ইতা ইবেম্মা! ইবানিনা মখোং, শোমজবা, ঈশিং চাইজবনা— মাংজোনন শাৎলিবা যাতিসে।

লতা :— এঃ ইতা। মালিকাসিস্থ পোম্মেনে।

ইন্দু :— ইতা ইবেম্মা! চিনি চন্দ্রা অসি শাৎল মানেনে— হেকউগেদো। মনম ওন্থোক্লা নুংশিরেদা

লতা :— হেক্কউ ইতা। ঐগীস্থ অমা যাওবকউরো। ঐ নংগীস্থ চিগোংলৈ নাচোম অঃ শেম্বিরমগে?

(লতা ফমথবা, নাচোম শেম্বা)

ইন্দু :—

ঈশৈ

ঙসি লাইরেম্মা নুংজাদা
পম্থৌগী লৈকোন্দি নুংসিদা
শাৎলেনে লৈরাং নিংথিবী
যাতি কৌবীদি শকহেনবী।

(লতা ঙক থাঙ্গৎনা য়েংবা)

মালিকাদি মালতী,
মাধবিকানি উরীরৈ।

শাৎলে লৈরাং নীংথিবী।
পাম্ম্ নাচোম শেমজগে।
মুংশি পরেং লেংজগে।
পাম্ম্নাদা থেৎচগে।
মুংশি ঙক্না চকচগে।

(লতা য়েংলগা হৌগত্না)

লতা :— ইতা, আদা শগোল তোংবা অমা চৎলিবসিবু কনানো?
ইন্দু :— মী শগোল তোংত্না চৎচববু করি তৌবগে?
লতা :— কনানো হংলু হায়বনি ইতা!
ইন্দু :— মী শগোল তোংত্না চৎপবু ঐনা তান্নবা ফংগত্রা?
লতা :— অমুক হল্লকএনে ইন্দুরেখা! অমুক্কা হংউ হায়বনে।

(লবঙ্গ চংলকপা)

লবঙ্গ :— ইবেম্মা, ব্রা অমত্তা হংজগে হায়ববু য়াগত্রা?
ইন্দু :— ব্রা হংবিবদা য়ারোইদবা মরম লৈতে— ব্রা অতু য়াফন থোকপ্রা থোক্কবরা অতুদবু খঙজদে।
লবঙ্গ :— চুন্নগী ব্রানীদা।
ইন্দু :— চুম্মবসু থোয়রবসু হংবিবগীদি বেরা লৈজদে।
লবঙ্গ :— শাউবিমুদা— ঐনা হংজগে তৌবদি অসিরাইসি করি লমনো হংজগে তৌবনি।
ইন্দু :— অসিরাইসিমক্তি লৈকোন্নি।
লবঙ্গ :— অতুবুদি তাকপিত্রবসু খংজে— মরোল থোকপা, থোক্কবা লৈরাং শুনা শাৎপা লৈকোন্নি হায়বদি ঐসু উজে— খঙজে। ঐনা খঙজনীংবদি— অসুরাইসিবু করি লমনো— শোরারেন — খোইগী— অতুরাইরা হায়জবনীমা!
লতা :— (ইন্দুদা থিন্দুনা) নীংথিনা হেক তাকউবা!
ইন্দু :— মীনা তাকইবমক্তদা ইবেম্মসিমা।
লবঙ্গ :— (ইন্দুরোমদা) ইবেম্মনা তাকপিনীংত্রবসু (লতারোমদা) ইবেম্মানা তাকপিরবসু য়াইমা!

(ঙাইহাক তুমিন্না লৈত্না য়েংনবা)

লবঙ্গ :— তাকপিনীংত্রবদি চৎচরগে। (লবঙ্গ খরা চথোকপা)
লতা :— তাকখো হায়বনি ইন্দুরেখা!
ইন্দু :— খঙলিব পোৎনে— মনাও ইবুঙোগী কোনবু খঙদবা লৈবা হৌনত্রা? খঙশিন্নত্রিবনে— হংগে হায়ত্না হংশিন্নরিবনে। মুংশিদবা হায়বনিমা।

(লবঙ্গ অমুক হাঙ্গিল্লক্লনা)

লবঙ্গ :— তাকপিদ্রবনিনা খঙজদনা চৎকদৌরেদো। — অদুবু থরায অসিনদি য়াদ্রবনীনা খোঙদি থাংবা খোক্রবা— পুক্লিং অসিদা তত্না খোঙ্খাং য়েরে— লৈবাং অসিবু কনানো ? — — — (অসি হায়জদুনস্থ কান্নদ্রে) — তাকপিদ্রবনিনা চৎচরগে। (খরা চখোকপা)

লতা :— ইন্দুরেখা চান্নবা চৎখিদুনা তোক্লরনি। তাকও হাযবনে।

ইন্দু :— চৎখিদবদি ফাদুনা থম্মো হাযবরা ? তাক্কে হায়রগা ইবেম্মা হেক তাকখোদনা।

লবঙ্গ :— (হঙ্গিল্লক্লুনা) তাকপিদ্রবনিনা খঙজদনা চৎলেদনা— অদুবু লৈনমদি ফংলগা লৈশক খঙদনা চৎকদবসিদি— ওস্বোক্লা নীঙমখিদ্রবা হায়বনিমা। অদুবু— চৎচরে। (চখোকপা)

ইন্দু :— লেংবিরো।

লতা : হাইমা।

(লবঙ্গ খবা চখোকখিবা)

ইন্দু : তাদবু বা অমতা হংজহৌখিগে অমুক্তা হনবিবকপা যাগদ্রা ?

লবঙ্গ : যাই, যাম্না য়াই ইবেম্মা। কবি ওইরবনো ?

ইন্দু :— ঐখোই' তাদবু করি লমদগী ওইরবনে।?

লবঙ্গ :— মীওইবা হাযবা অসি খুবাক খুনমদনি— ঐনা অমুক হংজবা, ইবেম্মাখোইনা অমুক হংবিবা। ইবেম্মাখোইদি তাকপিদে অদুবু ঐদি লাকচগনি— ঐদি যুমদগী লাকচবনি।

ইন্দু :— য়াম্না ফগনি— পাউখুম মান্নবে। হৌজিক্তি কদাইদা লেংবিরিবনো ?

লবঙ্গ :— মাদুদি শেনা তাকচবমগে— সনা কোন্নংদা অরুবা থবক অমগী থুনা লাকচবনি।— চৎচরগে, লোইবিরেদনা।

ইন্দু :— লোইজবে। খুদোং ককা ফানবিদরেদো।

লবঙ্গ :— হায়বিরিবদুনা ওবচরে। ঐ ইশানা খুদোং ভাস্থক অমতা ফানজখগে হায়জহৌদ্রে ঝারোবিন্ন।

ইন্দু :— শাউজবোই। ঐখোই অনী অসিগী যুমদি লৈকোল অসিনি। অসিদগী হেনবা লৈযম লৈজদে। জুগোৎচাবা ন্নমিৎতা অমুক্তং লেংবিরক্লুনা খুদোং ফানবিবো— মাদু লৈদুনা লৈজরে

লবঙ্গ :— খঙজরে।— অকবা লানবাউমক নম্রবদি ঐস্ন ফমজখিগদবনি। অদুবু য়াদবা মংা খোক্লবনিনা চৎচরগেনে।

ইন্দু :— লেংবিরো।

(লবঙ্গ খোকখিবা)

অনিশুবা দৃশ্য

লম্বী লম্কাং

চাউরেন অমস্তং ফাইরেন।

চাউরেন শীংজংখোক মরেংবান্দা থোংদনা চুন্না লেপ্পনা লৈবা।

ফাইরেন থাংজো য়েপ্পনা উ অমগী মরুমদা কুন্দুনা মওক থাঙ্গৎতুনা য়েংতুনা লৈবা

মনাক্তা শীংবুন অনী তাতুনা লৈবা।

চাউরেন :— (মরৈ লোম্বা) শো-শো-শোয়দ্রেদনা।

ফাইরেন :— (মরৈ লোম্বা) শো-শো-শোয়দ্রেদনা। ভু-ভু-ভুসিদি থে-থে-থেংনরেদনা।

(অনী ভাইহাক লৌয়েংনতুনা তুমিন্না লৈবা)

(অমুক্তা ওইনা)

ফাইরেন :— হায়, নি-নি-নিপামচা ন-ন-নত্রা হায়? নো-নো, নোংমা পোকপা ম-ম মচাননবু নি-নি নিনি শিবা হৌনত্রা হায়। নহাদে ফাইরেনদে।

(চোংথোকপা থাংজো চীংদনা লৈবা)

(মতম অসিমক্তা)

চাউরেন :— খা-খা-গিদি শো-শোয়দ্রে শি শি শিরবস্থ নিনিনিপা থোক্না শি-শি-নিমা নো নোংমা পো-পোকপা, ম-ম-চানবু নি নি নি নি শিবা হৌ-হৌ নত্রা? নহা দে চাউরেনদে।

(অনীমক অমুক্তা ওইনা)

ফাইরেন— চাউরেন :— ন-ন নং ক ক-নানো হৈ?

(অনীমক ভাইহাক থাংজো শীংজংখোক চীংদনা তুমিন্না লেপতুনা লৈবা)

ফাইরেন :— (মরৈ লোম্না) হেরা ভাই। খাগিনি হায়রগা খাগিনি হেক মহাবুদা অমুক মীগী মতৌ ককা তমলাকখুদা।

চাউরেন :— (মরৈ লোম্না) নং খাগি নত্রদো— মী চায় হায়বদ নখোই নত্রদো? লোইনা চাগে চাজো ভাই! মীগী মতৌদি তমলাকখুদা ভাই। মীগী মরৈ লোম্বা তরসিদি প্রান চাকপ্রবা হায়বনিমা?

ফাইরেন :— চাউরেন ভাই! নং খাগি ওইরমাল্লে; ঐ য়াম্না কিশিল্লক্লে।

চাউরেন :— ফাইরেন ভাই! মী চায় হায়বা খাগিহু নং শোয়দ্রে, কিগ্রেদা!

(অনীমক চপ মান্নবা শোর শাংনা হোম্ববা)

(থোইরেন চংলকপা)

থোইরেন :— নখোই অনীদি কদৌরম্মি চাউরেন,— থোইরেন! পংচৎ চথোকদু কৈনাওশা, হন্দক লাকইবা খাগিসিদি মী চায় হায়নে।

চাউরেন :— মাসি খাগিনি— তা থোইরেন।

ফাইরেন :— মাসি খাগিনি— তা থোইরেন।

থোইরেন :— ইহে, মখোই অনীনা তৌনরম্মিবদি অসিগী ওইরে। (অনীমক য়েংল্লুনা) নখোই অনীবু খঙনব্রবরা ?

চাউরেন :— ফাইরেন— খঙনৈ খঙনৈ!

থোইরেন :— অদুদি কৈদৌনরিবা ?

চাউরেন :— অদুদা মাদি খাগিনি —।

থোইরেন:— ফাইরেন— চুনম্না হায়য়ু মাসি কনানো ?

ফাইরেন :— চুন্না হায়রবনি— মাসে য়ুন্নাম চাউরেন্নি। অদুবু খাগিনে।

থোইরেন :— চাউরেন ইবো নং অমুক হায়য়ু মাসি কনানো।

চাউরেন :— চুন্না হায়খ্রবা পোৎনি— মাসে মাইবম ফাইরেন্নি। অদুবু খাগিনি।

ফাইরেন :— মানি শোয়দ্রে য়ান্না কিশিল্লক্রে

চাউরেন :— মানি খাগিনি অয়ুম কিশিল্লক্রে

(মমিৎ মনা কুইরু (২) তৌবা— চেনগে তৌবা)

থোইরেন :— ভাইখো, তপথখোনে নখোই অনীবো। নখোই অনীবু খঙনব্রবরনে— নংনা মাইবম ফাইরেন্নে! নংনা য়ুন্নাম চাউরেন্নে— নখোই অনীমক পৌরাবীদগী ভাক্তনে।

চাউরেন : উং

ফাইরেন :— উং

(অনী শোর হন্থবা)

ফাইরেন :— উং ফরে ঐখোই অনীদি পৌরাবীমচা মওইরগে তা থোইরেন্দি কনানো ?

থোইরেন : - ঐবুদি ঐনিদনা। শ্রীযুক্ত লাইশ্রম থোইরেনসিং সাং পৌরাবী বস্তি হায়বদু ঐনিদনা।

চাউরেন :— হুং, তা থোইরেন নংসু লোন্দা অমা তৌশিল্লক্রেকো। নংসু খাগি ওইশিল্লকদৌরিমাল্লে।

থোইরেন :— ওইবিরোইদা, ওইবিরোইদা। নবিভানি শীং চল্লুরিমাল্লেনে— শীংবুন অনী অসি নবিভানিগী নব্রদো ?

চাউরেন :— ফাইরেন।— মানি, মানি।

থোইরেন :— ফরে— ঐ খাগি ওইবিররোই। নবিভানিগী শীং মপূন অসে থাইবোক থাইবোব ঐভোন্দা থাইরো— য়ুমদা হল্লসি।

ফাইরেন :— মাহুদদি কৃপা তৌ, তা থোইরেন। খাগি হৌজিভৈদা হায়দনা উর্ত্তিদা হৌদনে ব্রানা চঞ্জকরবনি— অদমক্তদা নখোই খাগি অনী থেংনররবিবসিনিদো।

চাউরেন :— মাদমক্কি খিংয়াম্মান্নি তা থোইরেন। শীংজা মতা অন্না খাইগে। খাগি উখিনি হায়দনা লোম্না চঞ্চকবনি। অদবু কদাইদগীনো নথোই খাগি অনী হেক থেংনররিবসিনিদো।

থোইরেন :— অদ ওইরবদি ঐ ঙম্মরোই, খাগি ওইরনি।

চাউরেন-ফাইরেন :— তৌবিন্নু তৌবিন্নু— তা থোইরেন খাইজরগে।

(শীংমপুন থোক্কে তৌবা)

(খাগি অনী চংলকপা)

খাগি :— হায় কতে !!

চাউরেন -ফাইরেন-থোইরেন :— হাই মা লাক্রে (চেনগে তৌবা)

খাগি :— কতে খাং মাং শো।

(চাউ:-ফাই:-থোইরেন অহুম থক থক নীক্লা খাগি য়েংচুনা লৈবা)

ফাইরেন :— তা থোইরেন নংসি ধর্ম্ম লৈখিদ্রেদকো— কৈদৌবগে, শীংবুন তম্মাই অমা পীজগে মহায়রি। অমতম্ভু নঙনা খাগি অনীবু হেক ওল্লকপা ঙম্মিদকো?

খাগি :— শিংবো ময়াম্ শো।

চাউরেন :— খাগি ইবুঙো। শিংবুন মযাম নক্তে; অনী অসিতনি। লৌবিহৌ ঐথোইবু চাতদি চাবিন্নু।

খাগি :— শিংবো ময়াম শো টাইবং নহো।

চাউরেন :— মানা হায়রিবদিনে শীংবুন মযাম অসি পীদ্রবদি হে তাইবং শো হায়বদি শোয়দনা মাঢাবনি হাযরিবনিনেসে। লৌ, লৌ, খাগিগুরু। শীংবুন অনী অসি লৌচুনা নত্তেকমদা তেবিরো নহনকমদা হনবিগ্রো।

ফাইরেন :— লৌবিযু লৌবিযু চাতদি চাবিন্নু।

থোইরেন :— ঐ করিমতা লৌজরোই, ম্নারৌবিন্নু। ময়াগত্রা হায়চুনা তৌবনি।

(অহুম তুংহন তুংহন্ননা থোকখিবা)

খাগি নোক্কুনা শীংবুন অনী অহু থোইরেনগী মকোক্তা থোঙ্গংপীবা।

চাউরেন, ফাইরেন :— শোয়দ্রে; তা থোইরেম্না ওনবা খাগিনি

(হোৎচুনা চেনখিবা)

(খাগি নোক্কুনা লৈহৌবা)

(থোইরেন নোক্কু নোক্কুনা শীং পুথুনা থোকখিবা)

অহুমশুবা দৃশ্য

খাইরাকপসী—লৈকোল

কুঞ্জ লতা সনা।

(ড্রেস লবঙ্গ-লতাদা হায়বগুম্না।)

(ঈশৈ)

কুঞ্জলতা :—

(শাৎলে ওসি লৈরাংশুনা লৈকোন্দা)

মালিকা মালতী লবঙ্গ কেতুকী
লৈকা ফম্না নীংথিজনা শাৎলে
লৈহী পাম্বা খোইমুনা কোযনা পাইরে।

————

লৈরাং শুনা হেক্সি মুংশি পরেং লেংসি
চক্রসিকো পাম্বগী ওক্তা
যেংলুসি পেম্না পেম্না মুংশি মায়খোং।

————

বসন্তনগা ওইবনে হৈনম লৈনবা মুংশিবনে
মলয়া মুংশিৎনা লিরি চুহনে
শাদি শানৌ পুক্রিং লাংকরে।

————

লতা :—(স্বগত) শগোল তোংবা অহুবু কনানো? ওসিহু ওরাংগী মতম অহুনি। ওরাংগী মতৌগুম্না মালেম অপুম্বসি নীংথিজরি। ওরাংগী মতৌগুম্না নামিব মলয়া মুংশিৎনা লিরি লিরি চুম্নি। ওরাংগুম্না পোশী চেক্লা অপুসহু ফৈরা থক্তা তোংহুনা মুংশিবা কোলোয় শক্লি। চুমিৎনা চীংয়া থাংথরে তময়াসু কোরি চেল্লে— অহুবু অমতংদি বাৎলি, ওরাংগী শগোল তোংবা অহুদি কদায়? য়াঙংবী ঈন্দাল তুরেল— খওলে, নং অসি নশাদা খোয়বা নত্তে; মপুকচেনসু খোয়মাল্লে। নংগা ফুইনা তিমজরক্লবা নতানি—মুপী ওইবগী ইকাইবনা হংজবদি ওমহৌদ্রে— নংদি হংবিবা মাইদনা পম্ভৌগী লৈকোন্দা তোংবিররিবা চেক্লাশা। নখোইসু তমথীনা মীমুংশি খংত্রবা ওাক্তনি। অহুগা মালিকা-মালতী-যাতি! নখোইবু ঐনা নিংতিগী নখোং, শোমহুনা ঈশিং চাইজবদি অসিরা? (ইন্দুরেখা চংলকপা)

ইন্দুরেখা :— কনানা খুমগনি ইবেম্মা ! লমগী চেল্লানা, ঙাইহাক চাক্লারম্নগা চীকমাঙনগ্রবদা, কনানা কনানো হায়বা খঙগদগে ?

লতা :— নংনা হায়রিববু কল্লিনোনে ইন্দুরেখা। ঐবু করি হায়গ্রবগেনে ?

ইন্দু :— হয়ে, ইবেম্মা, ঙকখ্রেদা, ঐবু তাহৌরোইদবোই নীংত্রা ?

লতা :— ইন্দুরেখা ! ঐবু করি হায়গ্রবগেনে ?

ইন্দু :— লম্বীদা চৎলিবা নিপামখৈ অস্থম কোইয়েং য়েংবিরগা, মরক মরক্তা অস্থম ঙাওবিরবদি মাঙলেনে ?

লতা :— মাগী হৌনবা তৌরক্লে— ঐবু লম্বীদা চৎপা কনা নিপা য়েংলুরবগে ?

ইন্দু :— শগোল তোংবা পাখংদো, শগোল তোংবা পাখংদো— হেক্তম হায়দোক্কনি। চেন্দনা হিংলরোইদবা পোৎসিদা !

লতা :— অদুবু মীনা অস্থম লম্বীরোমদা য়েংজরিঙৈদা মানা লাকপিরগবু উন্নু হায়বা য়াব্রা? মা লাকপিনি হায়বা খঙলবদি মিৎ উইশিঙ্গরমগদবা !

ইন্দু :— অদুবু মাস্থ লাকপিখ্রে, ইবেম্মস্থ মিৎ উইশিনবিহৌঙ্গে, অদুগা ঙাওবিরিবা করিগীনো ? অদুগদি হা মালিকা, হা মালতি, যাতি যুতি শেকালিয়া কবোকলৈ খুজংলৈ হায়দুনা মীঙোন্দা শাউবিক্লরিবা করিগীনো ? মখোইনবু করি খঙগনি। ছি: । শাইদা থেৎলিবা লৈহাউ লৈহী চুপচগে লাকপা খোইমু অদুত্তবু মাগী পাউ পুরক্তে হায়দুনা কন্দনা হেক তাম্বোকপিবা। কদম পাম্বীদা তোংজবম্বা উমাইবীদো— লৈবাক রায়েনবা মন্ত্রীগুম্না য়াম্না চীং লেম্না ফমরজম্বনি —মাঙোন্দা রাকংপিরুরেদো— সাক্ষী প্রমানগা লৈতবা, জবালগা শোয়রবদুদদি পাইবিখ্রিবদুনি —ইকপু ইকাইদে।

লতা : – মা হেক লাক্লবদি তৌরক্লগদবনি— মীনা নোকচবা, কপচবা, তুমজবা ফাওবা মানা হেক পানবিরক্লগদনি।

ইন্দু : – করিস্থ পানজরোই ইবেম্মা, করিস্থ পানজরোই। তৌবতবু হায়বনি।

লতা :— অদুবু নংদি শগোল তোংবা নিপাদু উহৌত্রা হায়বনি।

ইন্দু :— হয়ে, লিম্না মখুল চংলমদাইদা চুম্মি হায়বদু তৌরেদো— করিগী উহৌদনি, করিগী খঙহৌদনি, করিগী তাহৌদনি— নবিঙানি ঙাংনখিবদু ইন্দুরেখাদি খোৎ শিৎ —।

লতা :— অদু হায়রবদি নচীন থীরে ইবেম্মা। মাগা ঐগদি করি ঙাংনফম লৈ ? ঐনা লৈকোন্দা ফমদনা লৈ— মানা শগোল তোংদনা থৌখ্রে ; ইবিঙানি করি ঙাংনফম লৈ ?

ইন্দু :— অদুননিনে— উমাইবী অহল অদুনা জবান শোয়রে হায়দুনা পাইবিখ্রিবদো ! ইন্দুরেখাদি খোৎ খোৎপা তাহৌএ—তাও হায়বা। হায়বিগেনে—হৌজিক হেক হায়দোক্লবদি চোপকনিদো !

লতা:— ঙাংবু ঙাংনখিবা লৈরবদি হায়য়ুনে তাসিনে !

ইন্দু :— ইবেম্মনা লৈকোনসিদা মফম অসিমক্তদা ফম্মিদনা, নত্রদো ?
লতা :— মানিনে, মানিনে হায়যুনে।
ইন্দু:— শগোল তোংবা—ভৌরুনবা—মরেপকা মঙালগা মরেপ্না খরা ভম্বা কাময়ী লীরুংগুম্বা পীগুম পানবা— মমিৎনা মরোল লোনবা— কো!
লতা :— হোয়নে হায়যুনে।
ইন্দু :— কৌদনা কৌবদা মাল্লবা চীম্বাল —।
লতা :— পীগুম হাযরগা মিত্তি হায়রমত্রিনে— হায়।
ইন্দু :— খিৎ ফিঙ্গংখিদ্রদা ইবেমশা, তাদা তাখোবা। মিত্তদা ভাব লৈরে হায়বা ইন্দুরেখা খঙজৈ, খঙজৈ। ভসাইমুকস্থ হায়ত্রে— পেন্দবা হায়বনিমা। মরোল খোকপা মিৎ পানবা পাখং অমনা শগোল তোংহ্নুা লয়ীসিদা থৌথিবা নত্রদো ?
লতা :— মানিনে— অদদা কদাইদা ইবিঙানি বা ঙাংনখিবা।
ইন্দু:— ইবিঙানি হায়রেদনা, কম্ম নকশিম্মরবগেদো ?
লতা :— ইবিঙানি হায়বদি মাগা ঐগা হায়বনিনে অঙাওবী।
ইন্দু :— মান্দি মানি, অদবু অমা অদনা, খিৎ অমতা ওইবগী ভাব ওইনা তৌইদা !! (ঙাইহাক খনবা) অদদগীদি তাও, হাযবা। শগোল তোংবা তাদ দনা ইবেম্মদা মুম্মা য়েংলম্লেদনা—।
লতা :— উং।
ইন্দু :— অদদগী লম্মহুমলোম থৌরুরগা লন্নী অমুক হল্লক— মরি থৌ অহুম হন, মঙা থৌ মরি হন অসি নত্রদো ? মাদবু বা ঙাংলিবা নত্তে হায়গে হায়রিত্রা ?
লতা :— মাদদি কবি হায়রিবনো ?
ইন্দু :- মাত্নুদি "লৈরাং অসিবু কনানো" হায়রিবা নত্রা ? লৈরাং লৈশক খণ্ডত্রে, শোয়দনা নোংমা লৈরাং হেকপা লাকখিনি হায়রম্বা নত্রা ? রারুম্ন রারুম্ন ইবেম্মা নোংমা শোয়দনা হেকপা লাক্লনি।
লতা :— ফরে, অদদি অদ মহায়হল্লো। ঐদি বা কৌবা ঙাংজদবনিদো, অদবু নংনা ঐবুস্থ ঙাংই হায়জিনবীরিবদদি—
ইন্দু :— ঐস্থ নবিঙানি মহায়রগে। নবিঙানি হেক উনবদদা মিকুপ অদমদা মিৎ মরি অদল্লা পরপ পরপ হেক ঙাংনখিবা অদদি কনামা হায়দল্লা লোইগনি ইবেম্মা ! বা লোইরে, ইবেম্মা পুন্নমক লোইরে। বাবিরুরম্ন।

———

মরিশুবা থৃশু

লাইকম

খ্বাইরাকপা, লবঙ্গ অমসুং লান্মী থবা।

লবঙ্গ :— মনাও ইবুঙোগী সনা চরন্দা ননাই ঐণা হঙ্গচনীংবা অমা লৈরে।— ঙসি মুংথিলগী লান অসিদগী থঙ.জরে, হন্দকী য়েক্লবা অসি অচম্বা য়েক্লবা ওইরোইদৌরি। লানগী জয় পরাজয়দি অরেপ্পা থঙ.জ্রবসু মীতৈগী পাম্মুরবা মনি য়াম্না অরেম্বদা মাঙ.বা তারি। অচুনা সনা য়াথং ফংলবদি লানবাউ পুন্থনা ননাই ঐ সনা কোম্বংদা চৎচরুগে।— ননাও ইবুঙোবুসু লানবাংনবা কৌরুবনা চুমগদ্রা? থৌগল্লোন কায়বা সনা চরন্দনা ঙাকপিয়ু।

খ্বাইরাকপা :— লবঙ্গ! চুম্মি। য়েক্লবগা পাবা ঙম্মোই হায়বদি ইচিনসিনদি হায়দোক্লীংদে, অদুবু ঐসু মরক অসিদা শিল্লমগে— নংনা পোক্লকম লমদম কন্নবা, ইরৈবাক্কী মনি ময়াম অরেম্বদা মাঙ.দনবা হোৎনকগে হায়বা অদু অচুম্বনি, তৌরু। মনিপুর সনা লৈবাক্কী অথীবা মিংচৎ থম্বা য়াদে।

লবঙ্গ :— ননাইনা থৌগল্লোন কায়বা ঙাকপিগনি। পুকচেন অমকপা লৈতনা, মরৈবাক্কী থবাম্ব থাগে লেপ্পবা মনাও ইবুঙোনা কনগে লেপ্পবদা থাগি মাদি থমখো শোরারেম্না করি তৌগনি? ঙসি মীতৈনা থাগি ঙম্বা মুমিৎনি। লাও, ইচিন ইনাওশা! মীতৈগী ঈনা শিংলীদা চেল্লিঙৈদা মরৈবাক্কী য়েক্লববু কিবা হৌনব্রা? য়েক্লবা হাৎসি, নম্রগা শিসি। জয় দুর্গা মাইকি (ময়'ম) জয়।

ঈশৈ — (কোরাস)

মীতৈ লান্মীনি ঐখোই।
খুত্তা ঐখোইগী থাঙ.শাং;
থমোইদা ঐখোইগী খৌনা,
কনাবু কিরুনি, কনাবু কিরুনি, কনাবু কিরুনি 'খোইনা।

লাও লাও লাও চৎসি লাও
য়েকনবা পুম্বা হাৎলুসি লাও
ঙমব্রাদা থম্বায় কথলুসি লাও
কনাবু কিরুনি কনাবু কিরুনি কনাবু কিরুনি 'খোইনা।

অরাম্বদা উদনা ——— "জয় জয় দুর্গা মাইকি জয়"

খ্বাইরাকপা :— করিনো লাউরিবা অসিবু ? মীতৈগী লানগী লাল্লাউ নত্রা ? লৈবাক মচাশা। খুৎলাই পায়্যু— লৈবাক্লা অরাবা তারিঙৈদা লালহৌরিবা বিদ্রোহীশিং অসিবু হান্না হাৎলুখিসি।

(অরাপ্পদা ——— জয় জয় দূর্গা মাইকি জয় ! জয় খাগেন্দ্র মহারাজ জয়)

খ্বাই :— করি ?

লবঙ্গ :— সনা পুক্লিং তপথবিয়ু— ননাও ইবুঙোবুস্থু লানবাংবা য়োঁরক্লে। ঙসি মীতৈনা খাগি ঙম্বা হুমিৎনি।

মনুং অমসুং মপান অনীমক্কী লাম্মীগী

ঈশৈ — কোরাস।

মীতৈ লাম্মীনি ঐখোই

খুত্তা ঐখোইগী থাঙ.শাং

· ....

....

.... ।

(মনুংদগীসু থোরক্লুনা মীতৈ লাম্মী ত্তিল্লবা)

ময়াম : (পুন্না) জয় জয় দূর্গা মাইকি জয়। জয় মহারাজ খাগেন্দ্রজিৎকি জয়।

জয় জয় মণিপুর মাতা কি জয় ।।

খাগি খরা চোংথোরকপা

থাং তাগী লান।

খাগি খরা তুবা ———— অতৈ চেনখিবা।

মীতৈ সিপাই ময়াম :— জয় জয় মণিপুর মাতাকি জয়। জয় খাগেন্দ্রজিৎকি জয় !!

খ্বাইরাকপা :— হৌজিক্তি মীতৈনা খাগিবু ঙম্লে। মরৈবাকনীংবা লৈবাকমচাশা। ঙসি হুঙাইনা পোত্থাবিরো। হয়েং নোং হেক ঙানবদা সনা কোল্লুং য়ৌনবা তৌসি। মহারাজগী সনাপুক্লিং লানবাউ তানীংবনা লাঙ.তক্লনা লৈরম্মগনি।

লবঙ্গ :— সনা চরন্দা ননাই ঐনা হজৎনীংবা অমগা লৈরি ; য়েক্লবশিং লানকম অসিদগী চেনপ্রে হায়বদি চুম্মি, অতুদা পুক্লিংদা চিংনবা অমতং লৈ— হুন্দক য়েক্লবনা অসিদা লানবন শাররিবনা করিগীনো, মখোইগী পুচিংবা অমতা শোক্তনা মুত্থোক্লা অসুপ থুনা কায়থ্রিবনা করিগীনো ? অতুনা হৌজিকমক থুনা চত্ত.না সনা কোল্লুংগী অবস্থা অমতং য়েংলুবনা চুমগদরা থজৈ।

খাইরাকপা :— লবঙ্গ ! নং অসি মণিপুর মাতম্‌গী মতীকচাবা মচা অমনি হায়বা ঐ উরে। য়েক্লবশিং চেনগ্রে— মখোইনা করি থোইদোকপা তৌবা ঙমগনি হায়বদি উদ্রে ; অদুমকপু শোয়দবনা কৈ ; নংনা হায়বা চুম্মি ! কনা কনা চৎহনসিগে।

লবঙ্গ :— লগী অসি য়েক্লতিংখং লৈত্রে হায়বা য়াম্রি মনাও ইবুঙো ! অদুনা ননাই ইতাও মধুগা ননাই ঐগা চৎপনা ফগদ্রা ?

খাইরাকপা :— অদুনা চুম্মি। নখোই অনী নত্তনা চৎপীনিঙাইস্‌ লৈরোই, চৎপদা মতীকচাবা মীস্‌ য়ামদে। অদু ওইরবদি নখোই অনী চৎলো।

লবঙ্গ :— অজ্ঞা (খুরম্বা)

মঙাশুবা দৃশ্য

'তোর্বান

শিজ অথোকপী, মুংশিরৈসনা থাবল্লেমা চেংহী লুগদোবা—

য়ারী শাবা।

অথোকপী :— লান্দি মীতৈনা ঙম্মে হায়না তারেনা।

মুংশিরৈ :— ঐখোই ননাউস্থ হল্লক্লনিদো— ফনা য়াই শংববু—।

থাবল :— ঐখোইস্থ নংগী তাদা লাক্লবদি ইনশাং হাউই হাউতে অমুক তৌররনি। ঙসি মরি মঙানি অসি নং তাদস্থ লৈতে অত্থবুনে চৎপদা চাকচাবা ফাউবা হেক শংদে— য়েংঙ্নহায় শিজ! মখোইগী লুহোংবগী অউন পোৎ জুৎ চাখিত্রবা হায়নিমা।

অথোকপী :— বরত্থদি থীগ্রেদা।

মুংশিরৈ :— হোইনে, মমায়না কল্লিবস্থ— লৈ শুকপত্থদা চান্নবা যুক হেক হৌগৎলেদো—

থাবল :— হাক্লা মী উৎশিৎমন্দ্রবস্থ ফত্তেদা।

মুংশিরৈ :— ঙরাংদি ঐদি ননাউস্থ লৈত্রিঙৈদা হায়ত্থনা শরেং অমা থোংলে অত্থগা যোংচাক্কা আলুগা অমা ইরোনত্থনা চাবব্ ফনা হাউইনে।

অথোকপী :— থোঙাম ইচে মনিগী মচা ফৈজাও অসিদি ফনা ফজাদৌরিএ।

থাবল :— অসিগী হোদামগী থরো শেশ্বিয়্ হায়ত্থনা নে নে, শিদৌরে।

মুংশিরৈ :— ঙরাংদি শোইবম চাউবা মতৈ মনাও হেক ফুনথৎলকপনা তুম্বা হেক য়াদে।

(লতাসনা, ইন্দ্রেখা, চেংহী চাইশেন পুবী মালিকা চংলকপা)

ইন্দু :— ইতা ইবেম্মা, পরপ পরপ লুজত্থনা হেক লেঙথৎসিকো! শিজ অথোকপীখোই লৈরেসে— য়ারেমগী লোইররোইদবা পোৎনি। ইবেম্মা, নোঙানঙৈগী ফনেক ফিত্থপ অচৌবা অমস্থ ফাত্রি! ইবেম্মখোইদি য়াত্তপাদবা মচানিনা ফৈদো— ঐখোইদি শূজরগা চারিবনিদো।

লতা :— হয়ে ইবেম্মা, নংনা হৌরকউ হায়বগী হৌবিরকপনি। ঐনা হৌরত্রবদি নং ভুরেল কুম্মোইত্রা?

ইন্দু :— নংনা হৌরক্লনি হায়বা থঙত্রবদি ঙসাইনা কুমজরম্মগদবনি।

লতা :— কন্নিগী?

ইন্দু :— থঙদে, নোংমগী নশক উহৌত্রবদি লৈবা ঙমদে।

অথোকপী :— ইবেম্মা— লাও লাও চেংহী লুসি।

(লতা ইন্দু চংত্থনা ফম্বা)

মুংশিরৈ চংলক্লুনা লতাগী মশম নান্দনা –

তুংশিরৈ :— ইনমশি— ঐগী ইনাওগী শক অসিদা করি রাংলি, অমত্তা অতুক হায়রিয়ু য়েংসি। মায়খোং য়েংই— পোম্নশাংনবা থম্বাল— কুচুনা দোই— সনা অহিংবা— মিত্তা অসি য়েংউনে, ইনমলৈমা, পুন্নমক্কী পুক্লিংবু হৎতুনা হৎতুনা কৌরিবসে— তুরি পায়ত্নুনা য়েকপগুম্নবা পীগুম অনী অসে নিপাগী লাংনে— লৌনম চাউরবা তয়াল মাল্লবা চীঙ্বালনা মীগী পুক্লিংবু লোম্না লোম্না কৌরিবা, য়ুমলোম্নবী চায়রুং অনীনা মাতুদা শাউন্নংনরিসি য়েংবিয়ুনে। ভাংভ্রানবা নাগী নাইন অনীনা কল্লত্তুনা চোংথগে চোংথগে তৌরি। য়েংনীংবগী মিহৌফম ওইবা শগাংনা থশৌ হেরা মাল্লবী খুবোম্বু লগুনরি; মস খওলবী শমজোইনা মী খুদিংমক্কী নীংবা মিকুপ খুদিং শকফম ওল্লি। শংদনা ভাংবী চীন্দুম্বী থুনীং অসে খোঙথাং খুদিংগী বারৈ পবেং থাংলি। মাঙতাবা— পাখংগী মিহৌনফম— তুংতাবা নুংশি খঙবা পুন্নমক্কী খোইরাংফম ইনাওগী মশাদা করিমতা রাত্তে।

(অরাপদা নিপামচা থরনা লাউবা— উদনা—)

"ইমা মাইবী কদাইদনো? না অনীমকগুনা লৈহাউ থেংলব মক্তদা খুত্তম্ অমা পায়রিনে— পাজি কনাগীনো?— মাইবী অথৎপী য়া-যা –!

(মাইবী চংলকপা)

মাইবী :—নমাগী নপানবু রাৎপা লৈব্রা? চংখি চংথিবা মফমদা নপাগী নপা ভাক্লা!

অথোকপী :— তুংশিবৈ সনা, তুংশিবৈ সনা— মাইবী অমা চংলি নহায়, কৌনে, শেনত্থম হুনসি।

তু শিবৈ :— ইমা, মাইবী শিজনা অসোমদা অমুক্তা লাকখো হায় এ।

(মাইবী চংশিন্নক্লুনা ফম্বা)

অথোকপী :— ইমা, মাইবী নংগী নমিং করি কৌই?

মাইবী :— ঐ:! শনসম মাইবীবু খঙদবা মীসু মরৈরিবোইরে।

থাবল্লৈমা :— ইমা, ঐখোইদি মনাওইবুঙোগী কোন্দগীনি। মপান ককা থোকচবা মী নত্তে।

নুংশি :— ইমাগী গুরুদি কনানো?

অথোকপী :— হেরা ইমা ঐখোই শেল অমুক্তা হুগ্গগে তৌবনে। ঐগী ইচানুপী লৈশাবী অসিগী অমুক্তা হুনবিয়ো।

(মাইবী শেল লাইবক্তা শেল থাঙ্গক্লুনা, লাল্লোল তিল্লোন শোন্দুনা লৈবাক্তা অনীরক অত্মুক থাদবা)

মাইবী :— ইবেম্মা নংদি! নিংথৌ সনা ঈনি না! য়েংকী শাগৈ অমগী মরমদা চিংনরিবদাইদো?

অথোকপী :— চুম্না হায়রু ইমা! মাতুককা থঙবা মী নত্তে।

মাইবী :— (অমুক শেন হুনবা) (শেন্দা থিন্দুনা) তো তো, মচ ভৌরুনৈ, মরেপকা মঙানগা মরেপনা ওম্মিনা।

তুংশিরৈ :— অত্নুবু ইমা হল্লকখিত্রা?

মাইবী :— হল্লকনি। (শেন্দা থিন্দুনা) তো, তো, হল্লকই হায়রি। ঐনা হায়বা নত্তে মহাদেবনা হায়বনি। লাইনা শেন্না লৈপুম্নি। তুংগী মালংদি লৈটিল থাংএ, য়াববদি নিঙঙ্ঙুক্কো।

থাবল :— লৈপুম্নিসু হায়, নিঙঙ্ঙুসু হায় করি বানো ইমা।

মাইবী :— য়ারবদি নিঙঙ্ঙু। তো তো (শেন্দা থিনবা) থাদোকউ, থাদোকউ।

"নঙুংলাংগী লৈবাক কায়রনিকো সনাহল"

অথোকপী :— মুন্না য়েংবা ইমা।

মাইবী :— শোয়রোই, "নঙুংলাংগী লৈবাক কায়রনিকো সনাহল"

(ময়াম ভাইহাক তুমিন লৈবা)

অথোকপী :— চংলো, চংলো ইমা মাইবী! শাওগ্নবো।

লতা :— (স্বগত) করি হায়বা? "নঙুংলাংগী লৈবাক কাযবনিদো সনাহল" হায়বা? ইঙুংলাংগী করিগী লৈবাক কাযগনি? মাইবীগী বা অসিবু চুম্ব্রা?

অথোকপী :— ইচাসিদি মাইবীগী বাবু কদৌদনা থাজকবিবনো?

লুংশিরৈ :— মাইবী চিন্থীবীনি।

থাবল :— য়েঙঙো, শিজ! লহান্দো খোইবোম ইচে ফজবীনা থয়াল মাইবীদা শেল লুনবা চংলুই হায়বদায়।

অথোকপী :— করিগীনি হায়বগে?— মখোইগী নিপা অরাংলোমদা চেনখ্রে হায়বত্তুগীরা?

থাবল :— উং। মাইবীনদি শিরে হায়রকমাল্লে— অতুগা মানা হল্লকপদদি লম্বীদা উনরে হায়নে নোকপানা!— মাইবী হায়বসিদি মচীস্থিবনা—।

অথোকপী :— অদুবু পোৎ অমতং হেক মাঙখ্রবদি লুগীনা মাইবীদা লুপা অমতং থোংদোকপদি শোয়দেনে! পোৎসু মাঙবা, মাতুগী মথক্তা মাইনীদা লুপা অমগা কৎপা।

থাবল :— ওইনাম তাচৌনা লহাল হৈক্রু উমত্তুনা হুম্মাল্লে, মাইবীনা পোশ্মু তঙু হায়বা দশা লৈ হায় হায়ে— অতুদগী তাচৌনা মমাংদা থোক ওগ্নোকপদদি ফো হায়বা মতাং য়েৌরে হেক হায়বা ঙম্মিবা মাইবীখোইগী চীন্দবু লেংকও, থেংজিল্লক্রে, কাত্থম কারসি।

(ময়াম চংথিবা)

—·— —

তরুকপুরা দৃশ্য
সনাকোনুং

অহিং

খগেন্দ্রজিৎ লেপ্লনা রাখন তৌত্তুনা হঙ্গৎ হন্দা চৎপা।

গেন্দ্র :— লানগী পাউ নিনফুং নিনকুংদি তারে হায়ববু মীতৈ অকনবা কনাগুম্বা শোকপনবা য়াওরিব্রা খঙ.নীংঙ্গেদা। ইনাও অনী, লবঙ্গ, মধু করম তৌরিগবা ?

(লবঙ্গ মধু চংলকপা)

ধু :— ননাও ইবুঙো অনী অমসুং ননাই ঐখোই থোইদোকপা অশোয় অঙাম লৈতে মহারাজ।

গেন্দ্র :— খাগিশিং চেনখিবা শোয়দ্রেদনা ?

বঙ্গ :— লানফমদগীদি চেনদ্রে মহারাজ ; অত্নুদা —

গেন্দ্র :— অত্নুদা করি তৌরবা ?

বঙ্গ :— অত্নুদা মহারাজ খাগি অকনবা লুচিংবা অমতা শোকখিদে। য়েক্লবা পুম্নমক ইখঙ খঙ.হৌদনা চীকমাঙ.নবগুম তৌবত্নুদা চিংনত্নুনা ননাই ইতাওগা ননাই ঐগা চেনজরকপনি— সনা কোনুং করি থোইদোকপা তৌরমদবা অসিদা ননাই ঐখোই মুঙাইজরে। ননাও ইবুঙো অনীসু নোংঙানবগা লেংলক্লগনি।

অরাপ্পদা — মণিপুর — খুজিল মমায়তনি।
পাকচাউরবা — খাগিনি।
জয় খাগি গি জয়।
জয় জয় চীনদেশ কি জয় !!

গেন্দ্র :— অসিদা অমুক লানগী খোঞ্জেল ?

বঙ্গ :— ননাই ঐখোইনা চিংনরকপা অত্নুমক খোল্লরে।

ধু :— সনা পুক্লিং তপথবিয়ু মহারাজ : ননাই ঐখোই অনীনা লৈরিঙ্গেদা খাগি মানা করি তৌজরগবনো ? ইপা শ্রীযুৎকী মমাইনি, সনাকোনুংদা পোকপা মচানি— পুম্নমক কুম্দ্রে য়েংসনু— ইতাওদা সনাকোনুং অমসুং লাইনীংথৌ শিন্নকাগনি— শিরে ফরে ক্ষত্রিয় মচানি সনাতন ধর্ম্ম ফংখিগে।

লবঙ্গ :— মহারাজ। সনা পুক্লিংদা করি অমত্তা চিংনবিয়ু।— ইতাওসু লান্দা মায় পাকসনু নত্রগা শিসনু। ঐসু অত্নুমঙায়। ঐ অমা মা অম্মা শিব্বা লায়। মণিপুর সনাত্রেবাক কায়ফদে, মহারাজ শোক্ফদে। লৈবাক মচাশা। ইরৈবাকীদমক মাঙ.গদবা হক্তাং কথোক্লনা মাঙওইদবা মিংচৎ থম্বা পাব্রিব্রা ? হকচাংদি নীনিদা মাঙ.গদবনি ; মিংচৎনা লেঙ.দবনি।

কীর্ত্তির্যস্য সঃ জীবতি।

মধু :— ইতাও। মনাও ইবুঙো অনীনা লেঙক্তিন্‌নৈদা খাগিনা ঙমখিবা তারবদি শিহৌবনা ফে ; মীতৈ ওইনা পোকপগী কান্নদ্রে। মহারাজ লেঙশিনবিরো— ময়াম লেংবিরকও।

(খগেন্দ্র থোকখিবা।)

(খাগি চংলকপা)

খাগি :— জয় জয় চীনদেশ কি জয়— জয় খাগি জাতিগী জয় ॥

লবঙ্গ :— কায়দুনা চেনখ্রবা খুৎসিগী জাং— ইকাইবা নাইদবা, পাণ্ডবগী মতৌংম অমুক লানজংলকইবা! অসিদসু অহু মঙায় ; অসিদসু মরৈবাক্কীদমক মথরায় থাবা পাম্মন্দ্রবা মীতৈ মচাঙাক্তা লৈরি।

মধু :— কান্নরোই, খুৎলাই পায়য়ু পাণ্ডবশা! নখোই নরৈবাক হনবা ঙম্মরোইদবা ঙাক্তনি। নিংথৌগী থৌরবা মনাও ইবুঙো অনী পুথোক্লগা নখোইনা লান ঙমগনি হায়না থৌরাংলকপা! অসিদসু কিবা হৈদ্রবা মীতৈ অথৌবা ঙাক্তা লৈরি।

খাগি :— অথৌবা— অথৌবা অনী। অরেম্বা থরায় মাঙনবা কান্নদে, হৌজিকমক খাগিদা আত্ম সমর্পন তৌ। পাক চাউববা খাগি লৈবাক্কি ; মহৈ হৈরবা খাগিনি। নখোই মীতৈ খুজোক অসিমনা করি তৌবা ঙমগনি ?

লবঙ্গ :— ফৌরান্না য়ামদুনা করি তৌগনি ? মরৈবাক লুংশিবা থরতনা মীতৈ জাতি ওইদ্রিবনি। য়েলহৌঙৈদগী ঙসি ফাওবা কনাগীসু মথা পোদ্রিবা মীতৈ জাতিনি। রাবেম ডাংদুনা কান্নদে— চোংথোরকউ ঙসি অরোইবা চাং য়েংনবা লুমিৎনি।

(লবঙ্গ, মধু অমসুং খাগিগী লান)

(লবঙ্গ মধু লান তৌনা খরা খবা হন্দোকপা)— (থোকখিবা)

(খগেন্দ্র চংলকপা)

(নোং ঙাল্লকপা)

মীতৈ লাম্মী :— জয় জয় দূর্গা মাই কি জয়। জয় মণিপুর মাতাকি জয়!! মহারাজ খগেন্দ্রজিৎকি জয়!! থাঙ, তাগী লান — —।

মহারাজ খগেন্দ্রনা তানা খাগি লুচিংবা অমা হাৎপা খাগিনা মহারাজ কোয়বা।

খগেন্দ্রনা থাঙ হাইবা— খাগি ময়াম চেনবা—

খাগি লুচিংবগা থাঙগী লান— খাগি মীচাবা তুবা।

মীতৈ লাম্মী ময়াম থোরকপা

মীতৈ লাম্মী :— জয় খগেন্দ্রজিৎ মহারাজ কি জয়!

লাম্মী লুচিংবা :— ঙসি খগেন্দ্রজিৎ মহারাজনা খাগিবু ঙমে। উজহৌবা ঐখোই পুন্নমক্কা মহারাজগী অনৌবা স্নিংথোল অমতং কংচগে — খাগিবু ঙম্বা মহারাজ — নিংথৌ খাগেম্বা।

ময়াম :— জয় লাইনীংথৌ খাগেম্বা কি জয় ॥

অনীশুবা অঙ্ক

অহানবা দৃশ্য

ইঙা অমাবস্যা অহিং।

মনাওইবুংঙোগী মাঙ্গোন। খাইরাকপা তাঙবন্দা ফম্বা।

মাইব্যা শেলুংবা মাঙ ওইরপ খুরুখুদক কুন্দুনা ফম্বা।

শেলুংবা :— হন্দক্তী লান অসিদি মনাওবুঙোমক নত্রবদি মাঙ,বা তায়এ। খাগি মীচাবা হান্নবা অত্থুদি থাঙ্গে শেংনমক মী চাবা জাৎনিদনা।

খাইরাকপা :— মাবুদি ঐনা হাৎপদি নত্তনা?

শেলুংবা :— (খুৎলোন্নথুনা) অস্তা, তুবদি মনাওইবুঙোগী সনাখুৎমক্তা তুবদি নস্তে, অথুদা—

খাইরাকপা :— অথুদা কমদোবা?

শেলুংবা :— অথুদা মনাওইবুঙোগী নোংশাবু ঙমজরবা সিংহনাদ, আলাতচক্রগুম লৈবা থাঙগী জগোই, অথুমক নত্রবদি মা কদাইদগী মথৌ হনগবনো মা?

খাইরাকপা :— শেলুংবা ঐসিবু খরা কন্না উরিবরনে?

শেলুংবা :— মনাও ইবুঙোনা হৌজিকমক সনাখুৎ নাম নামনা শামু মচুমতাবা অনী পায়থুনা লৈবদি করিগী ঙমদগবনো মা!

খাই :— নংসু মাথুদি হায়মল্লে হায়— মীনবু শামু থাঙ্গৎপা কদাইদগী ঙমগবনো?

শেলুংবা :— ৱাবু হায়বনিমা।

(য়াইস্কুল লাকপা চংলকপা।)

খাই :— হায়, ইনাও ইবুঙো লেঙকই। খুদা! খুদা!!

(খুদা থাবা য়াইস্কুল লাকপা ফম্বা)

খাই :— ইনাও ইবুঙোনা লেঙকপবু করিগুম্বা—

য়াইস্কুল :— ননাই ঐ চুন্না য়াম্বুং খুরমজগে লাকচবনি অস্তা।

খাই :— হায় কনা কনা লৈ? ইনাওগী সেবা— হন্দক খাগিগী লান অসিদি শোয়বু শোয়রমগনিদা। ইচিন ইনাওসু কনা কন্না মহোৎনবনি। অথুবু মানা লাইমা হেল্লে— ইবুধৌ পাখংবনা শংশংনা কনবিবনি। অনৌবা থাঙ খৌবোম্বা, অথুগা থাংগুনা তা অথুমক নত্রবদি মা শিরোইবো।

য়াইস্কুল :— সনায়াথং তাকপিবা চুম্মি অস্তা। অদুগা হন্দক খাগিগী লানফম অসিদা অথৌবা কনানো হায়রবদি ননাই ঐদি ননাই লবঙ্গহুম ওইগদমাল্লে নীংজে অস্তা।

খাই :— চুম্মি, মহাকসু কাম্নগ্রে। অদুগা ননাই মধুমক য়াওরমক্সবসু মীতৈ কোনুং হায়বা রা অসি অমুক লৈরম্মরোইদবনি।

য়াই :— ননাই লবঙ্গনা হন্দক লৈবাক্কী তৌগ্নিবা থবক অসি খল্লুববদি ননাই ঐদি ইচা ইবেম্মা কুঞ্জলতা সনা অসি মাঙোন্দহুম থাজনীংই।

খাই :— ননাই মধুনা হন্দক লৈবাক্কী তৌগ্নিবা থবক খল্লুবদা ঐদি লতাসনা অসি মাঙোন্দহুম থাজবনা চুমত্রা হায়দুনা খল্লম্মি এ।

য়াই :— ননাই ঐনা পোকচব ওইরবদি লহান্না মাঙোন্দা কথোক্লমগদবনি।

খাই :— ঐসু ঐনা পোকপা ওইবদগী মহারাজগী অমসুং ইনাউগী রা ভাইদুনা লৈবনি নত্রবদি লহান্না মধুদা লতাসনা কৎথোক্লগদবনি।

য়াই :— অস্তা, খওজরনি।— ননাই ঐ চৎচরগে (খুবম।— হৌগৎপা— চৎকে তৌবা)

(হিরুহঞ্জবা চঙলকপা। - মনাওইবুঙোদা খুবম্না।)

হিরুহন :— ননাই ঐ করিগুম্বা অমত্তা হঙ্গৎচগে হায়ববু ?

য়াই :— করিনো য়াম্বা ?

হিরুহন :— ননাই ঐনা সনা চরন্দা হঙ্গৎকদবদি কিরে।

য়াই :— করিনো হায়যুনে।

হিরুহন :— ননাই ঐনা মনাওইবুঙোগী হিথোই হেনবহু নযাম্বুং ইবুঙোগী করিগুম্বা থবক অমতংগীদমক সনাচরন্দা হঙ্গত্তনা লৌজরুই —— অদুদা হি অদু লাই অমগী নোংদমদগী কায়থোকখ্রে। —— ।

য়াই :— য়েংউ, য়াম্বা, ঐগী হি অদুদি তেকপা কায়বা য়াবা হি নত্রে।

হিরুহন :— সনা চরন্না কপা তৌবিয়ু অস্তা।

য়াই :— অদু অদা চৎনবা রা নত্তে, য়াম্বা— ঐগী হি কায়বা য়ারোই।

খাই :— নংনা লাম্রদো হঞ্জবা। নংদি অদুপ লুবা পোৎপু করিগী ইনাও ইবুঙোদা হঙ্গৎলমদে ?—

(হিঃ হঞ্জবা মরু লুকখদুনা তাবা)

খাই :— ইবুঙো, ননাইনা মচোম মপাক নাইদবনি— শাউবিগনু। ঐনা মাবু মতীক চাবা দণ্ড তৌগনি। অদুবু ইয়াম্বগী থবক্কীনি হায়বা অমা থোক্লেদো। অদুনা হৌজিক্তি শোয়গ্রবনিনা গণ্ডি লৈত্রে। য়াম্ববু হৌজিক করম তৌ হায়বগে ? হি অসি অহনবগা চপমান্না ফোঙকে।

য়াই :— ননাই ঐগী হিদি ফোৎপা য়ারোই অস্তা।

ই :— এঃ অহুদি ইয়াম্বনা অহনবা অকবা অমা শীংহুনা কংহল্লগনি।

ই :— ননাই ঐ অহনবহু পামদে।

ই :— অহুদি ইয়াম্বনা মাহুগী মতীক চাবা মমল কংলক্কনি।

ই :— ননাই ঐ হি য়োনজগে তৌবা নত্তে।

ই :— অহুদি কমদৌনি? হৌজিক্তি শোয়বনা হানখ্রে।

ই :— ননাই ঐদি ননাই ঐগী হি অহুতা পামজৈ।

ই :— ইনাও ইবুঙোনা শাউবিখিহু— হি অহু য়ান্না পাম্নরবা হিনি হায়বা ইয়াম্বহু খঙজে— অহুদা কায়প্রবা কৌবনিনা হৌজিক্তি গতি লৈত্রে; অহুনা হি অহু নত্তনা—

ই :— হি অহু নত্তনা অতৈদি ননাই ঐ য়াজনীংদে হায়হুনা হঙ্গৎচরিবা অসিনি। অহু নত্রবদি ননাই হিরুহল্লবনা মতীক থোকপা ফংসহু। ননাই ঐ চৎচরে।

(থোকখিবা)

ই :— হল্লবা নংনা ওন্থোকপা কান্দা ওন্থোকপা রা হৌদোক্লৈদকো অমসিগী পুকচেন্দি নংনা খঙলিবহু মঙায়।— মনাই হাক্কনবগী মৈ হৌরিডৈগী কান্দা অহুগুম্বা রা হৌদোকপা হৌনব্রা?

ইঃ হঃ :— ময়াম্বুংগী সনা মাঙদা হঙ্গংলগা থরা ফগব্রা হায়হুনা ননাই ঐ হঙ্গচ্চরুবনি।

ই :— চৎলো। হি অহুহু ফোংলু। অনৌবা অহুগা মান্নবা হি অমহু ওসিমক শীংলু।

(হিঃ হঃ থোকখিবা)

ই :— থরা নেমথরগা মমলেনে— অফোংপা হিনে, অহনবা অমনে পুহুনা থেল্লবা হায়বহু মঙায়রে।

(থোকখিবা)

অনীশুবা অঙক

অনীশুবা দৃশ্য

....
....
... .

সনা চরন্দসু হঙ্গৎচরম্নবা অসিনি, তুংদা ননাই ঐবু অরানবা শীবিগনু।

খগেন্দ্রা ঃ—(স্বাগত) ঐনা হায়বদা অমুক্তা হিক্তোক্লবা ইনাওনি, মাসিগী অর্থ করিনো? (ফোংনা) ইবুঙো, শাউবা অমুক্তা নেমথখো। হিকহৎপবা অত্থ ঐনা মতিকথোকপা দগিও পীগনি। ইনাওগী অতুদগী হেন্না ফাদবা হি অমা ইয়াম্বমা ঐগী হি শগুদগী থন্দুনা থারকনি। করিসু নত্তবসিগীদমক নয়াম্বং য়াইমগী পুক্লিংদা অনাবা পীবা ফত্তে। ময়াম্বা নীংলবা ইনাওনি। নখোই অনীগী পাম্বোমগী পাঙ্গলতনা ইয়াম্বনা অসিগুম্বা খুদোংথীরবা তাঞ্জা অসিদা লৈবাক ঙাকপা ঙম্নিবনি। তৌগনু, ইবুঙো, অমুক্তা নেমথো।

য়াই ঃ— ননাই ঐগীদি লেপলবনি।

খগেন্দ্রা ঃ— তৌগনু।

য়াই ঃ— ননাই ঐগীদি লেপ্পবনি।

খগেন্দ্র ঃ— তৌগনু ইবুঙো।

য়াই ঃ— ননাই ঐগীদি লেপ্পবনি।

খগেন্দ্রা ঃ ইয়াম্ববু য়েংহনা তৌগনু।

য়াই ঃ— ননাই ঐগীদি হঙ্গৎচরিবা অসিনি— ননাই ঐগীদি লেপ্পবনি।

খগেন্দ্র ঃ— হিরুহৎপবা অত্থদি নয়াম্বগী মমাইনি— মানা লৌরুবসু নয়াম্বগী থবক্কীদমক্কি। অত্থনা থাঙ্গৈশেংবমক হি অসি নয়াম্বংনা লৌবগুম্বনি। হিকহৎপবনা মাত্থগী করিসু দগিও ফংফম থোক্তে। নংনা শাউবিবসি নয়াম্বগী মথক্তা তারে। ইনাওদা তাক্কনা অমদি নয়াম্বংদা হংদনা হি লৌরুবগীদমক্কি নয়াম্বংনা মবাইনা মাবু দগিও তৌজগনি।

য়াই ঃ— ননাই ঐসু ইশানা লমন খুমজবা হৈজগনি।

খগেন্দ্র ঃ— নংনা লমন খুমগদবদি হিরুহৎপবদা নত্রে; নংনা তৌগে হায়রবদা নয়াম্বংদা তারে।

য়াই ঃ— মাত্থসু রাগী অতাবী লৈরমগনি।

খগেন্দ্র ঃ— অত্থদা— হৌজিক্তি ঐ তারেদো। ঐনা হৌজিক নীংথৌ ওইনা হায়রিবা অসিনি— ঐনা হায়ব্রিবা অসিদা য়াব্রবদি নংগী লমন খুম্ফম ঐঙোন্দা তারে— মরমদি— হৌনবী মত্থ ইম্না ঐগীদি রায়েন্নবা অসিনি।

য়াই :— অদু মঙায় ।

খগেন্দ্র :— অদু ওইরবদি নং রাজবিদ্রোহী হায়বদু তারে ; মাদুগী মতিকথোকপা দণ্ড ফংবা তাই ।

য়াই :— ননাই ঐদি লৈবাক নিংথৌগী মাঙনবা করিমতা তৌদ্রি ; ঐগী হি মাঙহনবগী মরম ওইবা অদুতবু লমন খুমগে হায়জবনি ।

খগেন্দ্র :— ঐদি নিংথৌগী হৌনবী ভাক্লবগীদমক হিরুহঙববু কন্দবা য়াদে । নিংথৌ শেনবা কনা কনা লৈ - হায়রিবা হিরুহঙবা অসি ঐগী শঙ্গাইদা পুশিন্দুনা থমউ— চেকশিন্না ভাকউ ।

য়াই :— সনা চন্না কপা তৌবিয়ু— ননাই ঐদি মাবু হাঙবা য়াদে ।

খগেন্দ্র :— ফারে চংলো— নংসু মাবু মুনবা ভান্নবা হোৎনরুরো ঐসু ভন্নমথৈ মাবু কম্নবা হোৎনবা তাই ।

য়াই :— অস্তা ।

(থুরম্নমতুনা থোকখিবা)

---

* দৃশ্য অসি লেখক্লা থগীরবা manuscript তগী লৌখৎচবনি, মসি অনীশুবা অঙ্কগী অনীশুবা দৃশ্যগী অয়োইবা শরুক ওইগনি খল্লে ।

অহুমশুবা অঙক

অনীশুবা দৃশ্য

[হুমিদাংবাই] — খ্বাইরাকপগী লৈকোল

(তা অমসুং ইন্দুরেখা লৈখোঙ ঈশিং চাইবা, মখোঙ শোবা, লৈ হেকপা য়েন্দাইদা হাপ্পা।)
(কুঞ্জলতাসনা ইঙেনলৈ পাম্বী মনাক্তা ঙাইহাক লেপ্পা অমসুং তপ্না ঈশৈ শংবা।)

(ঈশৈ)

লতা · চীংদা শাংপা ইঙেনলৈ
চিন্নদনা কেনখিবা-কল্লকই
ঐনা কেনগে কেন্দোদো
মালংবনা হুম্বগী— কেনবনি।
মালংবা ঐসু কৈদোদে,
লৈরাংনা লৈখোক লোয়বগী-কেনবনি।

(লতা ঙাইহাক রাখল তৌরগা — কোযয়েং য়েংবা —)

লতা :— ইতা হৌজিক ঈশৈ শকখিবা অদুবু কনানো ?

ইন্দু : - ইবেম্মা ! লৈকোল অসিদা ইপু ইনাই নত্তনা অতৈ কনা লৈরিবগে ? ঐদি শাক্তেবো— অদু — নদি —

লতা :— অদুনদি হোয়নে, ঐ তারেনে।

ইন্দু :— শকউরবসু কৈ, কৈদোবগে ? ঈশৈসিবু ইহৈ হৈবীনিংঙ্গ্রা ?

লতা :— ইন্দুরেখা ! হৈনীংদবা নত্তেদা ; ইঙেনলৈ উবসিদা ঐগী পুক্নিংদা ওন্থোকপা অরাবা রাখল অমা পোকপ্লেনে।

ইন্দু :— অমুক রাবা অমুক মুংঙাইবা মীগী পথাপনি। মাদুদি মীওইবনা পেনবা হৈত্তবদগী থোকপনি— খুদমগী মশক ওইনা নিংথৌমচা ওইনা পোক্লুনা— মীওইবনা মিহৌনকম ওইবা পুন্নমকী মপু ওইরবমক্তদা রায় হায়রিবা অসিনি।

লতা :— চুম্মি, মীওইনা পোক্লবতা মুংঙাইবা লৈতে— অরাবা ঙাক্তনি হায়বা খঙলে।

ইন্দু :— মাদুসু লাল্লি। অরা মুংঙাইবা হায়বসি শাগোম্মনা চৎলি। খল্লু, খাং অমগী অকুৎপা অদুনা অরাবনি, অতোঙবা অদুনা মুংঙাইবনি। অকুৎপা অদু লৈত্রবসু অতোঙবা লৈবা য়াদে, অতোঙবা অদু লৈত্রবসু অকুৎপা লৈবা য়াদে। অনীমক লৈহল্লোই হায়রবদি মাগী খাং ওইবা তোক্লে— য়োৎপাক ভারে। অরা মুংঙাইবসু অদুগুম্বনি ; অমা লৈত্তনা অম লৈবা য়াদে।

লতা :— নংসু লাইরিক ফনা হৈরিনা ?

ইন্দু :— লাইরিক নত্তে, লাইশুনি।

লতা :— অদুবু ইতা। নতাগীদি লাইনা মুঙাইবা তম্বিরমদমাক্লেনে।

ইন্দু :— (মমায় থরা লৈথোক্লুনা) লাই ওইবসি ঐতদি ঙমজরোই। মীনা খঙলক্লব্রদি লাইদা হেক্তা তাশিনবিবা হায়বনিমা! পোৎ অমা মাঙ্‌খ্রে— অদুবা মী খঙ্‌দ্রবদি লাইদা হেক্তা তাশিনবি। মীননি হায়বা খঙ্‌দ্রবদি লাইননি হায়বসি মঙায়রে।

লতা :— হোয়নে, নংগা ঙাংনবিনিঙাই লৈতেনে। হৌজিক্তি ফমুংগী, ফীরুক্কী উপুগী মনম মুংশিবা লৈ হেকউরসি। য়েঙেঙাই, ইতা, ঐখোই অনীনা ঈশিং চাইজবা লৈরাংশিংসে লোইনা শাৎকদোরেনে— এঃ মন। মরক্তা লৈহাউ লৈবেল শাৎলিবসি ওস্থোক্লা নীংথিজখ্রেদকো— ফুইনা হৌবা নোংগী লক্তা নোংথাংনগা জগোই শাবগুম ফজরে।

ইন্দু :— পুখ্রি শঙবী শিঙ্গারৈ! নং অসি ওস্থোক্লা শাউগল্লিদবকো। মলয়া মুংশিং অসে লিরিতা হুমজবনি— নংনা করিগী শাউরংননা নশাগী লৈরাং লোইনা থিকথরিবনো ?

লতা :— এঃ পুখ্রিমপান্দা কবোকনৈ পবেং পবেং শাৎপসিদি শংবান্নবা অতিয়াদা উরোক পরেং পাইবদুমঙাইরে।

ইন্দু :— কপচেৎপী কামিনী কুসুম! নং অসি ওস্থোক্লা পাঙদেদকো! শোকফাম্রিঙৈদা হেক্তা কপ্পা— করিগী অসুপ রানা লৈবাং লাইজা শিস্থরিবা। হয়ে, ইবাইদবী সনারৈ! নংসু শাচ্চ বিবাইবেকো ? নংদি খোইমুগী চীরোনসু তারিরোই— মেরা থা লাক্লি্রঙৈদা শাৎলিবসিবু ইকাইদ্রা ?

লতা :— ইতা থমগদৌরবা লবঙ্গ পাম্বী অসিদা মুঙ্গারৈনা য়েৎশিনবিরেনে। তমথীরবা খোইমুনগা থোৎলবা লৈরাংসি চীকথৎ চীকথৎ থাদবে— (মুঙ্গারৈ পায়দুনা শেমদুনা) লৈরাং অশোনবী! নংনা য়েত্তুনা নপুরোইবগী নীংথিবা মাংহনগনু— মাদু লৈকোন অসিগী নিয়ম নত্তে।

ইন্দু :— ইতা ইবেম্মা! মুমিদাংবাই মুমিৎনা চীংযা থাংলকপা মতম অসিদা লৈকোনগী নিংথিজবা অসি করিদবু হায়সিগে ?

(ঈশৈ)

মুমিদাংবাইগীনা কানসিদা
মুমিৎনা চীংয়াদি থাংবদা
চীংয়া খেঙ্গোং লাংবদা
তময়ানা কোরিদি চেনবদা
পম্বৈগী লৈকোন মুংশিদা
শীঙেন মপিজাগীদি মরক্তা
নাইতোমদি শাৎপী লৈরাংনি

(থক্লসু অমদি শাক্লবী)
(খাদসু অমা পোমল্লবী)
নিংথৌগী মচানিদি ইবেম্মা
লতা কৌবীদি উরিলে।
পামু কনাবু ঙাইরিবা
ঙুংশি কনাবু খল্লিবা

পাম্মনা লৈপাম্নরিঙৈ
শাচ্চহৌরোনে উরীরৈ
খোইমু রাবা খ্বাংজেংবা
লৈরাং লৈহী থিরকপা
পাইরক্লেকো লৈরাংও
লৈরাং পরেং লেঙঙসি
শীঙেন নাচোম শেম্মসি
পাম্ম ঙক্লা হুকলুসি
ঙুংশি নাদা থেংলুসি।

কুঞ্জলতা:— ইতা নংগী ঈশৈ অসি তাবদি পুক্লিং ওম্থোক্লা নৌথ্রেদা! মলয়া ঙুংশিংনা হুম্বদা, ঈথক্লা ঈথক চা কয়া হৌরগা চীকমাঙনখিবগুম, রাখল কয়া পুক্লিংগী ঈপাক্লা, থুনা থুনা হৌরগা থুনা থুনা মাঙথ্রবা। অদুবু ইতা। রাগদবদি ঐতনি। ঈথক অসে অমুক মুৎথ্রবসু অমুক মহৌরকইসে। ইঙেনলৈসে চিন্নদনা কেনখিগদবা কল্লকই, চুম্মি— অদুবু ইতা। ইঙেন অমুক হৌথ্রে, ইঙেন তন্না লাকখিনিদো; শানৌ কনাগী নৌরবা খুৎনা চিগোংলৈনা য়ায়দা থান্দুনা ঙুংশি-নাচোম শেম্মরোই হায়বসু কনানা হায়গনি? লতা ওইবী ঐগীতনি রাবা। য়েচ্চকম ওইরিবা লবঙ্গ পাম্বীনা তুরবদা চংনকম লৈতবনে— লৈমায়থক্লা মরী চৎতুনা তারবদি কুমগী ঈহৌরকপদা তীম্না চীক্লনা পত্তনা-পুমহনা মাঙলগদবীনি।

(অরাপ্পদা উদনা—)

লবঙ্গ:— করম্না মাঙগনি? তাইবং পানবদা লবঙ্গ পাম্বীবু অমতরা? লবঙ্গ অমা শিথ্রবসু, হৈশিংবা মালী অমনা মকমচানা অমুক থাবিরবদি লতাগীদি করিসু শোক্তবা য়াই।

লতা:— করম্না?— হাংপদি নত্তবনীনা শিদবসু য়াই। অদুবু মানা য়েচ্চরিবা অদুদগী হন্দোকপিরবদা করম্বা উরীনা নিংথিনা ছিংবা ঙম্বগে?— মাহুমল্লদা মশক ওল্লবদি উরীগী হৌনবী কায়রবনি।

লবঙ্গ:— (উদনা) মশানা য়ুংজবা ঙমদবা উরীদি মালীনা শীনবা ইনবা তাই।

লতা:— উরীগী পুকচেল্দি মালীনদি খঙলোই— মালীনি কনাগুম্বতনা খঙবনি।

(লবঙ্গ থোরকপা)

লবঙ্গ :— লবঙ্গ পাম্বীস্থ লতানা য়েক্রবদা লৈকম খঙদে।

লতা :— অহুবু তমথীরবা নোংদম্বগী খুজিল অমনা লবঙ্গ পাম্বীগা য়েচ্চরিবা মুঙ্গারৈ লতাগা শেংনবা তারিমাল্লে।

লবঙ্গ :— মাহুস্থ করম্না হায়গনি? লতা অহুনা অতোপ্পা পাম্বীদা য়েংনীংদে হায়বা উরবদি নত্রগা খঙলবদি থৌজাল হৈবা মালী কনানা অনৌবা লবঙ্গ পাম্বী অমা অমুক থাররোই হায়বস্থ কনানা হায়বা ঙমগনি!— য়েংউ। মাঙ.গী লবঙ্গ পাম্বী অসে হাকুম শিরুরবনি— অহুবু মুঙ্গারৈগী মতৌ য়েংবা ঙমদবগী দমক্তা অমুক হৌবা তারে— অসিমঙায়।

লতা :— মুঙ্গারৈগীদি অরেপ্পনি— লবঙ্গ পাম্বী নত্তনা লৈকোলসিদা মাগী য়েচ্চকম লৈতে। য়েংপস্থ য়েচ্চনীংদে নত্রবদি লৈমায়দা মরী চত্তনা মাঙ.সস্থ। মাসি লৈকোলসিগী নিয়মনি।

লবঙ্গ :— অহুবু ওইরবদি লবঙ্গ পাম্বীদি কললবস্থ উরীগী য়েংকম পীবা তাই। মাহু লবঙ্গ পাম্বীগীস্থ হৌনবীনি।

লতা :— মালংদা কুমগী ঈহৌরকপা উবদা উরী ওইবগী শোনবমক্তা মিপাইজবনি। য়োচ্চকস্থ ফংলবদি মথোঙ.দা ঈশিং চঙ.হুনা পৎপা তারবস্থ উরীগী অবাবা লৈতে।

লবঙ্গ :— অতিম্বা অহু অমঙ্গলগী অমম্বা লৈচিম্না কুপচখিসস্থ— তৌইগুম্বস্থং মীওইবগী মুংশিবা হায়বসিগীদি অমম্বা লৈতে— অমকপা নাইদে— অতোপ্পগী থৌইনশিম্না চত্তে— মাদি লেঙ.দবনি— নিত্যনি।— অহুনা, ইবেম্মা, ঙসি ইবেম্মা অরেপ্পা অমতং খঙ.জরগা ঐস্থ লেপচরগে হায়হুনা লাকচবনি।

লতা :— অরেপ্পা খঙ.বিবা মতমদি লহাম্না ওইগ্রবনি— অহুবু চিংনবিরবদি ঙসিস্থ খঙ.বিয়ু— পম্বৌগী লৈকোম্না মাহুগী সাক্ষীনি।

লবঙ্গ :— খঙ.জরে। ঐবুস্থ খঙ.বিরে। মতম অচাবা য়েংহুনা ইবেম্মনা মুংশিবিবগী প্রতিদান তৌজগে। চৎচরগেনে।

লতা :— লেঙ.বিরে। (স্বাগত) ওম্বোকপনি অহুগী অহুবু মাইবীরা, লাইরেম্বীরা? অওইবম্ক ইগুংলাংগী লৈবাক অসি কায়রাগত্রা?

———

মরিশুবা দৃশ্য

থম্মাল— থিয়াহাজারী ইম্নুং। — ফুঙ্গানাক।

মুমিদাং।

মাইব্য কৈরুংবা, ইরোইবা মেম্বর, লাইশ্রবা সেবকহন চোংথা খুত্তা— মচা রারী শাত্থনা ফম্বা— কওক্র ওাম্বক লাম্নথুনা থকপা। — মৈ তিকপা।

লাইশ্রবা :— হোয়, তা কৈরুংবা! ঐগীদি তওাই ফাত্রবনি। অত্থবু ময়ামগীদি দশা তাগদৌরিমল্লে।

মাইব্য :— অং ইবুঙো সেবকহন। খন্দুনা খল্লবদি অথেংবী খল্লু হায়বত্থ তাগদৌরিএ।

চোংথা :— অত্থবু তা কৈরুংবা, লহানমথৈ নিংথৌগী থৌ কাইবীরিবসিবু কনানো?

মাইবা :— হোয়নে, খুত্তামচা! অস্থপ কুইরবসি মচাক মরল চাত্থনা লাক্লগা হৌজিক চিরবা মতম অসিদা থাদোক্লুনা চৎপদি ধর্ম্ম থোক্লেনা!

চোংথা :— হেরা হৌজিকস্থ কনানা খঙবা? ঐথোইনা কিনরিববু ঐথোইগী খুৎ য়ামদে, অসিদা নম্রদো? য়াইস্কুল লাকপা হায়বসি লাই মচানি খঙউ; নিংথৌ ওইগনি হায়রিবনি।

থিযাহাজারি :— হোয় থোঙাইবা পাঙ্গিনস্থ অত্থম হায় হায়বা তায়।

মাইব্যা :— অতুদা খুত্তামচা! হুন্দক্কী লান অসিবু লান্দা অমা ওইনা তৌরিনে। লান্দবু মী হাৎকস্থ হায়বসিবু করি রানো?

চোংথা :— হেবা তা কৈরুংবা! চংনা ফাও হায়বসি ওইথোক্লবা রানিদা। অদ্গা মীনা থাও চীংলগা ঐনা মঙোন্দা কোক থিংজিল্লুগদ্রা?

লাইশ্রবা :— হুন্দক্কী অসিদি লান মতা অমনি। মীনা ঙমগে ঙমসস্থ লতাসনাবুদি ফাদ্গমা বিষ্ণুপুর য়োদবা য়াদে হায়রি। অত্থগা কাছার লেঙ্গনি হায়বগুম্বস্থ হায়রপ হায়রপ তায়। অত্থগা অমুক শিজ অথোক পী, দুংশিরৈসনা, থাবল্লৈমাখোই কোল্লংগী লৈমশিজশিং ঙাইহাক লৈতনা লম্বান তাম্না লাকপস্থ উরি— যুগ অমা তৌরিএ।

মাইব্যা :— হোয়নে সেবকহন। ঙসিঙরাংসি লৈচিনস্থ মতা অমা তৌই; তেঙ্গোল অত্থম হায়বত্থম নঃক্লবরা কবিনো? লৈবাক অসি খাইবুং খাইবুং মতা অমা তৌরি। নিংথৌ মচিনমনাও অহমসি ওস্থোফা চান্নখ্রবনিদো, নম্রনে সেবকহন।

লাইশ্রবা :— অত্থবু মনাও ইবুঙো য়াইস্কুল লাকপনা লতাসনা ফাও হায়রিবসিগী অর্থ করিনো?

মাইব্যা :— অত্থনবু তেঙ্গোল অত্থম শোয়দ্রে হায়রিবসিনিদনা। য়াইস্কুল লাকপনা হিকহঙ্গবা ফাগনি হ'য়রি; নিংথৌনা কনগনি হায়রি। অত্থদা লতাসনা ফাত্থনা পুরবদি তেঙ্গোল অত্থম হায়বত্থ তাদ্রিবরদো?

চোংথা :— ফন্না ফন্না তা কৈরুংবা নিংথৌগা খাইরাকপগদি মীচং অমতা ওইগদৌরি। ঐখোইগী য়াইস্কুল লাকপদনি তোঙাম্না তাগদৌরিবা, অত্তুনদি তেঙ্গোল অনীদনি। তা কৈরুংবাখোইনা পুরাম্নি হায়দুনা পণ্ডহায়তা হেক মহায়।

মাইব্যা :— হেরা খুত্তামচা! পাঙখেৎস্থ খেৎকন্নুদা! পুরানগী রা হায়বসি চুমদবরা হায়বস্থ হেক মথোকইদোসে— শা মমাংদা অঙৌবা মকোক তাগনি তাগনি হায়দুবু ঙরাংদা নখোই ঐখোগী মাঙ.দা হেক মাথোকইদোসে।

চোংথা :— তেঙ্গোন অহ্মদি থিয়াহালারিগী ইমুংদা হৌজিকনা হেক মথোকলেদনা!— মাইব্যা কৈরুংবগী তেঙ্গোন অমা, চোংথাগী ফৌজ অনা, সেবকহনগী লাম্মী অমা।

সেবকহন }
মাইব্যা } :— (পুন্না) মাত্তুদি চুম্মেদো।

লাইশ্রবা :— অত্তুগা শিজ অথোকপীখোইগী ফৌজ অসিনা অসিদা তোয়না তোয়না লাকইবা অসিনা করিগীনো? তেঙ্গোন মরি থোকদৌরিবরা?

মাইব্যা :— হেরা, সেবকহনখোইনা শিজ অথোকপীগী বাদা মহায়বসিবু করিনো?

লাইশ্রবা :— ই: তা কৈরুংবা ফজেবো! তীংদা য়াঙ.দা, লুতুংতাবা মাগী অমতা অৱাৎপা হায়বা লৈতে— খুনীং য়েংই ঙাতেন মচীন, পাম্বোম য়েংই— শমু মনাতোন—।

চোংথা :— মায়থোং য়েংই— পূর্ণিমাগী থা। লাইশ্রবা সেবকহন্না ঙাওবনা চুম্মিমা।

মাইব্যা :— অত্তুদা শিজখোয়সিনা তোয়না খোঙদারক্লবদি ইমুংগী মুপী অমা মশীং ৱাৎপা শোয়দে— হন্দকী অসি লান ওইদত্তুনা মুপী চেনবত্থ ওইগদৌরিবরা করিনো?

অহমগুবা অঙ্গী অহানবা অমস্থং অহমগুবা দৃশ্যশিং Original manuscript থিবা ফংজদ্রে অত্তুগা লেমহৌরিবা লীলাগী শরুক শিংগী Original manuscript স্থ ফংজদ্রে।

নব-মালিকা

(কোওখিত্রিবা ড্রামা)

কবি শ্রীখাইরাকপম ৺চাউবা সিংহ, সাহিত্যরত্ন

নব-মালিকা

অহানবা অঙক

(অহানবা দৃশ্য— লৈপুঙ ফম্বা)

অহানবা অঙ্কগী অহানবা দৃশ্য অসি লৈপুঙ ফম্বগী দৃশ্যনি। লৈপুঙ ফম্বা অসিদা য়াম্না নকপা তুংগী রাফমদা থন্না-নৈনৈ, হায়বদি অনীশুবা পৃথিবীগী লান্থাও (2nd world war) গী মরমদা। পুবান্দা থাজবা লুপ্পা পুবান হৈবা অমা অমসুং ব্যাকরণ হৈবা অমসু লৈপুঙ ফম্বসিদা যাওই। পুবান হৈবনা— "ক" না তৌবা মফমদা লৈরবদি খুদোংচাবা ফংগনী, হিংগনী, অসিনচিংবা হায়তুনা মহাক্কী ভাষন চত্থবা হৌবকই। ব্যাকরন হৈবা অদুনা— 'ক' না হৌবা হায়রবদি 'কোম' মনুংদা লৈবা অমসুং লোৎপা হায়বনী অসিনচিংবা অর্থ হন্দুনা তাকপা হৌরকই, লৈপুঙ ফম্বা যাওমিন্নবা অমনা অমুক 'ক' না হৌবা হায়বদি কাঙথাদা নম্রগা কাঙথল মনুংদনী হায়না মহাক্কী মোত পীবা হৌবকই ... "নোংপোকথোঙ হাংলগনি...." (হায়বদি জাপান লাক্লগনি) অসিনচিংবা রাফমসু লৈপুঙ ফম্বদুদা ফোংদোক্লবকই। লান্দা মীচম প্রজানা নংলগদবা কি-তুজুংলবা, অবা-অনা, লৈফম-চাফম খঙলোইদবা বাফমশিং থন্না-নৈনবদুদা যাওই।

---

* কবি শ্রীখাইরাকপম ৺চাওবা সিংহ সাহিত্যবন্নগী নাটক— "নব-মালিকা" ভোল্যুমগী অহানবা অঙ্ক অমসুং অহানবা দৃশ্যগী খুৎই (manuscript) কম্না হোৎনদুনা থিজবদা ফংবা ঙমজন্রে তৌইগুম্বসুং অহানবা অঙ্কদা চত্থখিবা লীলা পরিংদি মথক্তা পঙ্খ্রিবসিনী ; মসি ঙসিদগী চহী ৪৫/৪৬ কী মমাঙদা লীলা অসি M D.U Hall দা M.D.U. গী artist শিংনা শান্নখিবদা মশামক্তা হকথেংননা আর্টিষ্ট অমা ওইনা য়াওবিখিবা খুবা ইবুংঙো শ্রীযুক্ত আসেম দীনমনি সিংহ, হৌজিক্তা পেলেস কম্পাউণ্ডদা লৈবনা, ঐনা হংজরুবদা নীংশিংবীরকপা অমসুং লীবীরকপনী। Original manuscript কী লামায় থরা মাঙখিবা অমসুং থিবা ফংদবনা মরম ওইদুনা দৃশ্য অসিগী লীলা পরিংদা চত্থখিবা চপচাবা dialogue শিং character শিংগা কোম্নমা ছাপা তৌদুনা ফোঙদোকচবা ঙমদ্রবনী, করিগুম্বা ঐনা কম্না থিজরিবা লীলা ভোল্যুমসিগী মাঙথ্রবা শকক/লামায় থরশিংগী original manuscript ফংজবা ঙম্নবদি মথংগী প্রবন্ধদা লাইব্রিক্কী মপুং ফানবা হাপচরকখিগনি।

অনীশুবা অংক

(অহানবা দৃশ্য — মালিকাগী যুম)

দৃশ্য অসিদা মালিকাগী য়ুমদা উৎখিবসি মালিকাগা মমাগা মমা মচাদ লৈরবগী মওংনী, মালিকানা মশা ঙমদহনা (নাহনা) লৈবগী ফিভম্নি। মালিকাগী যুমদা নবঃ চঙলকই ; য়ুম্নোন-কৈরোম্নবা ওইবগী মওংদা চুন্না রারী রাতাই শাবা চঙলকপনী ; অনা-অয়েক্কী রা হংই, লানগী রান্নীনা মপুং ওই ; লানদা সাধারন মীয়ামগী পুন্সিদা থেংনগদবা অন্না-অনা, লৈত-লায়র, খুদোংথীবা কয়াগী সমস্ত পল্লি, অতৈ রারীদি সাধারনগী ওইবা মওংনী। দৃশ্য অসিদা নব-মালিকা অনীগী মরক্তা লৈনবা মরী অসি মথক্তা পঙথিবগুম্না লৈকাইগী অমদি য়ুম্নোন কৈরোম্নবা মকুং-মচল অমগুম্না লোয়নমিন্নবগী মওংদা ইপৌ-পৌনা উহল্লি, নুংশি নুংঙলগী মরী লৈনবগী থোইদোকপা মমি অমা তাবুক্তা ইউ-উহন্দে অহুম্নদি ওইরবদা নবং না মালিকাগী ময়ুমদা চঙলকপদা মালিকানা ইকাইরপ তৌনা অমদি হঙোইরপ তৌনা মৃত্যু অমা পুথোক্লগা থাখিবগী দৃশ্য য়াওই। রারীদি নবগা মালিকাগী মমাগা অয়াম্বা শান্নে ; নবগা মালিকাগদি থোইদোক্লা শান্নখিদে অহুম্নদি ওইববদা নবঃ মালিকা অনীগী মীৎয়েং-মায়েং— য়েংদশিন্না য়েংবা, উদশিন্না উবা মতাং ইয়াও য়াওখিদবদি নত্তে, মহু কুপথনা য়েংলুরগদি নব-মালিকা অনীগী মরক্তা পোকখাযদনা লৈবা মৈগী চীংগুম্না ফোঙদোক্তবা নুংশিবা (Unexpressed love) অমা ইরৈ লৈনবা মাল্লি।

নাটক ভোল্যুমগী অনীশুবা অঙ্কগী original manuscript সু থিবা ফংজদ্রে মরম অহুনা দৃশ্যসিদা উৎখিবা লীলা পরিং অসিসু মথক্তা পঙথিবা ভদ্রলোক শ্রীযুক্ত দীনমনি সিংহনা শন্নদা নীংশিংবীরকখিবা রারীদগী ফোঙদোকচবনী। অশেংবা dialogue কয়া অহুদি নাটক ভোল্যুমগী অনীশুবা অঙ্কগী original manuscript মাঙখিবা অমদি থিবা ফংদবনা মরম ওইহুনা, ছাপা তৌহনা ফোঙদোকচবগী পাঙ্গল লৈজদ্রে। পঙনীংবা রাকম অমনা লীলাগী অনীশুবা অঙ্কদা শ্রীযুক্ত দীনমনি সিংহনা নীংশিংবীরকপা মতুংইন্না মালিকাগী য়ুমদা মালিকাগা মমাগা লৈরমহু উৎনি অহুগা কবি শ্রীখাইরকপম 'চাওবা সিংহ সাহিত্যরত্নগী' লৈরম্বা থুৎইগী তুংদা চথরকপা পরিং য়েংলুরগদি লীলাগী অনীশুবা অঙ্কদা মালিকাগী য়ুমদা মালিকাগা মপাগা-মপা মচা লৈরম্বগী মওং

অহুমশুবা অঙক

অহানবা দৃশ্য—স্কুল

ওজা ফম্ভা ফম্বা—মনাক্তা ছাত্র অমতং ফম্ভা ফম্বা

ওজা : পুং ১১ দি ওলাইনা তাখ্রে— হৌজিক ফাওবা ছাত্রদি অমত্তা মরাকই— বেঞ্চস্ লৈতে, টেবিলস্ লৈতে রিপোর্ট অমতং ইগে হায়বস্ চে লৈতে করম্বা school run তৌগবনো ? চাউবা নংগী লাইব্রেরিক কদাই ?

চাউবা :— ওজা, লাইব্রেরিক্তি লানজেনবদা লোইনা মাঙহৌরে।

(পেণ্ট,, হেট,, নেকটাই পুনবা সুরেন চঙলপা)

ওজা :— সুরেন নংদি কদৌদনা অসুপ থেঙই ?

সুরেন : — ওজা। ঐদি রান রান ফোরদা (114) দা clerk ওইজরি থবক লোইরগা লাকচরিবনি।

(পাজামা— সুয়েটার— শেংপা তোম্বী চঙলকপা)

ওজা :— তোম্বী নংদি করিগী থেঙই ?

তোম্বী :— ওজা—ঐদি রানজিরো ফোরদা potato supply তৌবা হোৎনরি। আলু থিরা থরা চৎচরুরে।

(ঠিকাদার মনাও চঙলকপা)

ওজা :— মনাও নংদি অসুপ থেঙবা ?

মনাও : — ওজা— ঐদি জিরো মাইল দগী মাইল টু ফাওবা single চাইবগী contract লৌজরি।

ওজা :— নখোই কোম তৌবা লোইরেদনা ? Modern warfare অসিদি থৌশাদবা য়াবা নত্তে। Life & death question নি ; নশা কম্লনবা কোম শেমজবনা চুম্মি।

ছাত্রশিং :- লোইজরে ওজা।

(থংহৌদনা সাইরেন খোংবা)

ওজা অমসুং অঙাংশিং লোইনা লোৎখিবা

ওল ক্লিয়ার খোংবা — ওজা, অঙাংশিং অমুক ফম্বা।

ওজা :— ওসিদি ছুটি চৎলো — সাইরেননা তোয়বনে অহল লমল সুংশা থীরম্মনি।

(অঙাং ময়াম চৎখিবা)

(নব অমসুং ঙাংবম চাউবা চঙলকপা।)

ওজা :— (নবীন মাষ্টার) — নব বাবুগা খুড়াঙাংগা লেঙকই ? — লেংশিনু— য়ুমদা স্কুল তৌশিল্লে অঙাং ময়াম লাক্লবনে— মতমনে ওস্থোক্লা জুগোৎ চাজ্রে।

* কবি মশানা ইরবা [illegible]

নব : My dear ! ঐ হয়েং কলকাতা চৎপা তারে পোৎ খরদং লৌথোকউগে নীংলিএ।

নবীন :— My dear চৎহন্নীংদ্দা ; মতম মওং অসিদা, লানহ্ন য়েৌরকহুন তারে।

নব :— অহুদা my dear লৈতবনা, পাবুংহ্ন ঙাওরে ; marriage তৌনি তৌনি হায়না তৌরিদো— মাহুহ্ন কুইদ্রে। অহুগা খুড়াঙাংহ্ন তীর্থ চৎকে নীংমাল্লে— ঐগা লোয়ননীংঙি।

নবীন :— মালিকাদি কমদৌরবনো খুড়াঙাংবু।

চাউবা :— তীর্থ চৎকনি হায়বা হুমিত্তগী খরা ফরগুম তৌরে— মাহ্ন চৎকনি হায়রি, য়াদ্রে।

নবীন : ফরে মাহুনা মাগী অফবা হায়বহু ওইবা য়াই।

নব : My dear না পাবুংখোই খরা খবা য়েংবিরম্মু কো অপংবা ঙাক্তা ঙাইহৌরে— my dear না ঐগী শরুক শিন্দুনা থবক পুন্নমক তৌবিরম্বা তারে— ঐগী কনা লৈজদোদো ?

নবীন :— লেংঙো— ঐ লৈহৌরিদনা, করিমতা হ্বাবীগন্ন লেঙবদি এম, এম গাড়ীদা লে বা তারেদনা ? pass ককা লৌবীরেকো

নব — লোইরে— অহুদি চৎচরগে। অহুগা জীবনগী অচীকপা হ্বা পুন্নমক কাউবীগন্ন আনৌবা মালতী অনৌবা থরোনা মতম চানা শাহুনা তাইব, পুক্লিং শুঙ্কৎপগুম মতম চানা জীবনগী অপাম্বা থুংহুনা মী ওইনবগী গঙ্গা স্নান তৌরুগে চৎচারে—।

— — — —

৬ মরিশুবা দৃশ্য
(ডিমাপুর লমবী)

নব কিশোর অমসুং M.M. driver অমা জাপানী M.P. অমা লেপতুনা থিংবা।

জাপানী :— তুম কৌন হায় ?

ড্রাইভার :— হম M.M. ড্রাইভার হায় ?

জাপানী :— All right, তুম লোগ যানে নহি সকেগা।

ড্রাইভার :— ক্যোং ?

জাপানী :— মর, যানে মাংতা তো যাও !

ড্রাইভার :— ক্যা হুয়া ? হামার পাস pass হায় হায়বা licence তি হায় ? দেখ

জাপানী :— অচ্ছা ভায়, হামরা বাত, শোন, হম জাপানী M.P. হায়— আজ জাপানী army মনিপুর encircle কিয়া হায়— তুম লোগ মৎ যাও— মর, যায়গা— আউর ভি কথু বাত হায়— তোমহারা সব, চীজ ইধর, ফেক দাও— জানে মাংতা তো খালি গাড়ীমে অভি ডিমাপুর যাও— জলদি

ড্রাইভার:— লেকিন্

জাপানী :— খবর দা, চুপ রহ, অভি গাড়ী Start করো।

(থঙহৌদনা মৈ কাপখিৎপা ৪/৫ রক)

(নোংমৈ কাপ্পা)

গুরখা লাম্মী অমা চোংথোরকপা।

গুরখা :— হায় সাথী— যাও, গাড়ী start করো।

(নব অমসুং ড্রাইভার চৎখিবা)

(২ নং গুরখা চঙলকপা)

২ নং গুঃ দল বাহাদুর— ক্যা ভয়ো।

দল :— উপরি,মা জাপানী সো ভনিয়ো হো!

১ নং গুরখা :— জাপানী ?

দল :— অভি কটা বানছস্ ?

১ নং " :— মালুম সৈনা

(থঙহৌদনা মথক্তগী নোংমৈ কাপথরকপা।

জাপানী চোংথোরকপা লান শোক্লবা।

অইবা মশাগী খুৎইদগী লৌখৎলবনি ... manuscript তি ফংজদ্রে।

অনীশুবা দৃশ্য

(কলকতা লম্বী)

চা য়োনবা :— চা গরম, গরম চা। ....
চরুপ য়োনবা :— পান সিগারেট দিশলাই। ....
লাফোই য়োনবা :— কেলা হায়, কেলা হায়। ....
পুড়ি :— চাই পুড়ি, চাই চানা ভাজা, চাই গরম পুড়ি।
খবর :— আনন্দ বাজার। হিন্দুস্থান ষ্টেণ্ডার্ড ....।

(অরাপ্পদা রেল — হোরন খোংবা, কাংশী য়ৈবা।)

(নব, মালতী, মখোই পোবা চাউবা চংলকপা।)

নব :— হায় — চা ওয়ালা — হায় চা ওয়ালা — চা দাও।
*খুরাঙাংখোই চা ফাল্লু। অসিদা হাক্না ক্লোন জান ত্তৌবিন্নু। খরা চাত্রবদি চংপা ওম্মোই।

চন্দ্র :— ইবুঙো, নখোই থকউ, খুড়াদি মন্ত্র শোন্ত্রিনে। নখোইগী মতৌসি খংন্রে ময়াংশু মাংন্রে।

নব :— ইবেম্মা মালিকা, চা খরা থকচিল্লু। পুড়ি অসি খরা চরা চাশিল্লু, খুড়াঙাং খোইগী মতৌ অসিদি নন্রে ধর্ম্ম হায়ববু উরুবদরা? কাল পাত্র খরা য়েংদবা য়াদে হায় পুড়িৱালা পুড়ি ২ টাকায় দাও ও।

কুলি :— বাবু! কুলি লাগে?
নব :— না
কুলি :— কোথাকার জঙ্গলী মানুষ, মাল পিঠি করে নিয়ে যাবে আবলে কুলি লাগে না।
নব :— তাতে তোমার কি? যাও।
রেকর্ডবালা :— হায় মনিপুরীয়া গান করিবে? ভাল রেকর্ড হবে, এস,
চাওবা :— করি হায়রিবনো?
নব :— হেরা, খুড়াঙাং হৌজিক কান অসিদা ঈশৈ রেকর্ড লৌবা শান্না চংনবসিদা ঐখোইস্থু অচুম্বীদমক লাকপোই নিংলমাগ্নে, ঈশৈ শকেরা হায়রিয়ে
(রেকর্ডৱালা রোমদা) না বাবু সাহেব, আমরা তীর্থ যাচ্ছি; গান করতে আমছিনা।

---

* অইবগী খুৎইনগী লৌনথাবা।

কেনভাশায় :— মনিপুরীয়া বাবু কিকি জিনিষের দরকার আসুন আমার দোকানে, সস্তায় সব জিনিষ পাওয়া যাবে।

নব :— না ভাই, আমরা ব্যবসায়ী নাই।— তীর্থ যাত্রী।
খুড়া, অসিনি হৌজিক ভৌগ্নিবা, ঐখোই মীতৈ অমসুং আসামী অসিবু— মখোই পুন্নমক অসুম্না লগনফম ওইনা তৌরে। কলকাতাগী দোকানশিং অসিদা মীতৈগী দর অমা, জাৎ অতৈগী অমা তৌন্নবনিনে।

চন্দ্রা :— তৌজসনু মা ইচাসিদি। মীতৈখোইদবু। য়াজ্রগা নিংগোংনা হেক লংথবত্নমগাই মা।

নব :— মাতুনদি য়াবা কাল নত্রেদো খুড়া। ঐখোই মীতৈ অপুম্বা হৌজিক লাইরিক লাইশু তমতুনা কানগী মতিক চাবা জাৎ অমা ওইদবা য়াদ্রে জাতিনা চাওখৎলবতদা জাতিগী মী খুদিংমক মতিক চাবা ইকাই খুন্নবা ফংগদবনি— নত্রবদি ঐনা মাসিদা শাওরুরবদি অঙাওবা জাদ্রনা তৌরদবনি।
খুড়াখোই পোৎ লোইশিনবীরো পুরীগী রেন থাগদবা নক্রে।
(রেলগী কাংশী য়েবা— ফিরালনচিংবা রেল থারমদাইগী তৌবা)
(নব নচিংবা থুনা চংখিবা)



মরিশুবা অঙক

(অহাণুবা দৃশ্য কায়চুপ — লমী)

খোইরোম্ কেতুকী লুকমাই থাদুনা প্লোং য়োনবা গোড়া অমা চঙলকপা।

— (লকোই অমা লৌথখনা) কেনো দাম হায় ?

কেতুকী :— সায়েব। বাস রুপী এইদ অনা।

গোড়া :— ঠিক হায়। (পেল পীবা)

(লোকতুনী সিপাই অমা চংপা)

কেতুকী :— সাথী। আচ্ছাবালা পান হায়। খাওরো লাওনে।

সিপাই :— পান লৌবা চংথাকপা।

কেতুকী :— সাথী পৈশা পীত্রি — লাওনে।

সিপাই :— মনিপুরী বাত শুণ্ডরে। (চংকে তৌবা) কেতুকী চোংথোক্লুনা ফাবা

গুরখা সিপাই অমা চঙলকপা।

গুরখা :— হায় সাথী! উসকী পৈশা দে দো। ক্যা রাস্তে ভাগ যাতা ?

(সিপাই পৈশা পীবা)

কেতুকী :— সাথী! ঠিক হায়, পান খাওরো লাও।

(গুরখা ঈশৈ শকনা চংখিবা)

বাজারে যাওলা, পানখিলি লেওলা

একখিলি খান হো

তিমিনে কতিভি মরালে সৈনা

মুখৈকা ক্যা লো মা

আভি মুখৈকা ক্যা লো মালো প্যারী

মুখৈকা ক্যা লো মা — (গুরখা চংখিবা)

(পাঙ্গোই ড্রাইভার চঙলকপা)

পাঙ্গোই :— ইতৈমা, ইতৈম', অভি তো ঠিক হায় নবকিশোরদো — জাপানীনা ফাহুনা হাংখ্রে ঙসি গাড়ী লাম্থোরকপা হায়রবু গাড়ীতদনি। শোয়রস্কো! ইতৈমা অমা তৌবা ঙম্মনগ্রে — মীগী শেল লুপা ৬০০/৭০০ লৌথোক্লে— থবকসু অমতা তৌবিদে। করি ধর্ম্মনো নংবো, নথোইগুম্বসিননিনে মীতৈ সুপী চেম্বরিবা।

কেতুকী :— হয়ে সিবু ঐনরা ? মীনা য়াদবদি ঐবু করম তৌ হায়রবগে— হোৎনরিদনা।

(পাঙ্গোই চংখিবা)

---

* অইবা মশাগী খুৎইদগী লৌথৎচবনী ; মরিশুবা অঙ্কগী ১বা, ২শুবা, ৩শুবা অমসুং ৪শুবা দৃশ্যশিংগী Original manuscript থিবা ফংজদ্রে।

মঙাশুবা অঙক

অহানবা দৃশ্য

(জাপানীজ লাম্মী মণিপুর য়োরকপা)

ঙঃ হৌজিক্তি খঙলে — পার্থনা মচাগী মখুত্তা মায়থীখিবা বক্রুবাহনগী লৈবাক্তা ঐখোয় লাক্লে— হো হৌজিক নখোই ভারত ভূমি য়োরক্লবনি— মণিপুর য়োরবক্লবসিদদি কবিগুম্বা অমতা মুংশা থীবিরগনু— মণিপুর বাসীশিংগী দোষ অতৈ ফনা লৈরম্বনু থংদে— অদুবু মণিপুরীগী থোংজিন্দগী ঙসি ফাওবা ভিক্ষারী অমতনু নীংবা কায়বা তৌদ্রি। লাইরবা, ইনাকখুনবা অচৌবা অপীকপা পুন্নমক্কী থোং অসি অনৌবা মীগী মফমদা মতম পুন্নমক্তা হাংদুনা লৈগনি— মসি মফম অসিগী মীগী মহৌশানি।

जानो, अब मणिपुर आ गया। यह उसी देस है जहाँ पार्थजी अपने पुत्रसे हारे। हाँ तुम लोग अब भारत भुमि पहुँचे। अब मणिपुर मिला तब निश्चिन्त होना चाहिये। मानो मणिपुरियोंके चरित्र बहुत दोषोंमे भरा है। लेकिन उन्होंके दरवाजेसे आजतक कोई अतिथी निरास होकर न लौटे। धनी, गरीब, छोटे बरे हरएके दरवाजा अतिथीं लोगोंके लिए हर-वक्त खुला रहता है। यह इसी देसका सदाके धर्म्मा है।

জানে অব মণিপুব আ গযা। যহ উসী দেশ হৈ জহাঁ পার্থজী অপনে পুত্রসে হারে। হাঁ, তুমলোগ অব ভারত ভূমি পহুঁচে। জব মণিপুব মিলা তব নিশ্চিন্ত হোনা চাহিএ। মানে, মণিপুরিয়োঁকি চারিত্র দোষোঁসে ভরা হৈ; লেকিন উন্হোংকে দরবাজেসে আজতক কোই আতিথি নিরাস হোকব ন লোটে। ধনী, গবীব, ছোটে বড়ে হরত্রককে দববাজা অতিথি লোগোঁকে লিএ হববক্ত, খুলা রহতা হৈ। যহ ইসী দেশকা সদাকে ধর্ম্ম হৈ।

অনীশুবা দৃশ্য

(জাপানীজ লাম্মীনা খুল্লক্তা চঙলকপা অমসুং মোইরাংদা বোম তাবা)

২ নং জাপানী :— চুহী ! চুহী !

১ নং জাপানী :— হাঁ, থুড়া চুহী দাও— হমলোগ চল্ যায়েগা।

(শিজনা চেং পীবা, চুহী পীবা)

থঙ্হৌদনা নোংমৈ ৩ লক কাপ্পা

মৈ তোক্লনা ২ কাপখৎপা

সাইরেন খোংবা। শিজগা মালজীগা লাউনবা

* কবি মশানা ইরবা পুংইমমী লোথৎচবনি।

২ নং জাপানী :— আরে ক্যা হুয়া ? ডরো মৎ। হম লোগ কল আয়েগা আউর মোইরাং লেগা।
Thank you. অভি যায়গা হো।

(জাপানীশিং চৎখিদা)

নবীন মাষ্টার চংলকপা।

নবীন :— সনাহল! ইমাসিজ খোইদ্রি?

সনাহল :— নৈ।

নবীন :— থুনা লোকতাক খেঙবান্দা চৎপা। ভাবে— মী পুন্নমক লোইনা চংনগে— লাল য়ৌরক্লে।

(নোংমৈ কাপনবকপা)

নবীন, শিজনচিংবা চৎখিবা।
মোইরাং বোম তাবা
ময়াম শিবা ওনব, চেন্নবা (নঙ্গো পোম্বনা চেনবা)

অহুমশুবা দৃশ্য

(লাঙ্জেন্নবা)

লান কাপ্পবা হৌবা, বোম হেক তাবদগী ময়াম লাঙবা হৌরব, লাউ খোংহুনা নঙ্গোগা নঙ্গোগা খা-রাং নোংপোক-নোংচুপ মাথকৈ খঙদনা যাম্না অবাবা অমসুং পুংশাথীবগা লোয়ননা চেন্নবা হৌরে, অসুম্না মীয়াম্না মফম মরাং খঙদনা য়াম্না রানা চেন্নবিগী চৈবক্তুদা ফত্তবা ডাকু কাওবু অমা থোক্লকুনা মীয়ামদগী পৈশা অমদি পোৎচৈনচিংবা মুনবা, ডাকুশিংহুনা মীয়ামগী মরক্তগী মালিকা অমসুং মালিকাগী মমাদগী পৈশা অমদি পোৎচৈ মুন্নবা হোৎনবপদা, মালিকা মমা মচানা লাউ খোংবা, লাউ খোংবগী মখোল তাবদা নবঃ থোক্লকুনা মমা মচাবু কন্নবা হোৎনবদা ডাকুশিংহুগা হকথংননা যুননা অমসুং মালিকা মমা মচাবু ডাকুশিংগী মখুত্তগী কনবা, অসুম্না কন্নবা মতুংদা নবঃনা নমজিংহুনা লান চেনমিন্নখিবা শুসিনচিংবা লান মনুগী অৱাবা ফিভম কয়া দৃশ্য অসিদা উংলি।

* অহুমশুবা দৃশ্য অসি কবি শ্রীখাইরাকপম ৺চাওবা সিংহ সাহিত্যরত্নগী নাটক ভোলুমদা থিবা যংদবদগী ভদ্রলোক শ্রীদীনমনি সিংহনা শন্নপা লীবীরকপা শান্নবা লীলাগী পবিংদগী ফোংদোকচবনী। অহুবু কবি মশাগী থুংইগী পরিং য়েংলুরগদি মথক্তা য়াওখিবা মালিকা মমা মচা হাযরিবসি মালতী alias থম্নোসনা alias সনাহল মমা মচা ওইগনি খল্লে অহুগা নবনা নবিন ওইগনি হায়না খল্লে।

মরিশুবা দৃশ্য

(হিয়াংথাং অমসুং লাংথবাল লম্বীদা গোড়া সিকাইশিংনা চোক তৌবা)

হিয়াংথাংদগী লাংথবাললোমদা লাকপা লাম্বীদনী, লাংথবাল লাল্লগা কোম্নুং তম্না চৎখিগদবনী। লম্বীসিদা, শ্রীশ্রীগোবিন্দজিগী সুংত্তিগী সেবা চৎপা। নট ঈশৈ শকপা পুং য়েবা পালা কাওবু অমা খোঙনা হাইগৎললকই, পালাশিং অমসুং পুংয়েবশিংছু নটকী হৌনবী ফিজেৎ লৈতেংই, চন্দন লংত্রিক লংনা থিল্লি, ফৈজোম শেৎলি, কোকয়েৎ অচৌবা হাপ্পী, পুংয়েবগীনা পুংয়েবগী কোকয়েৎ মচা হাপ্পী, ঈশৈ শকপা পালানা মথুত্তা করতাল পায, পুংয়েবনা মরেংজুমদা পুং য়ান্দুনা লাকপনী। অসুন্না পালা কাওবুত্থুনা হাইগৎলকপদা লমথাওদা গোড়া সিকাই কাওলুপ অমা খোক্লক্লুনা চোক তৌগদগী থাম্মী, হৌনা অমদি শংলগা ভাঙবা মরোল (ইংরাজি—English) ওইবনা পালাশিংছু ইপা-পাখৎলি, মিপাইনরম্মী মতম্নগা হাংপা ফুবনচিংবদ তৌবা লান মমুং ওইবনিনা। পালাশিংছুগী অচথা বেশ-ভুষন, মখোইগী মিৎযেং অমসুং থৌওং অমসুং মতু ইপোল পোল্লবা শকফম উবদা পালাশিংছু থোইদোক্না ফত্তবা তৌবা বাওবু মান্দে হাযবা গোড়া সিফাইশিংছুনা খওই অহুবু মিৎকুপ নাহুম শিংনা অমদি চেকশিন্না চত্তবা য়াদবা লানগী মতম ওইবনিনা পালাশিংছুবু গোড়াশিংছুনা চোক তৌবা তাবম্মী, তৌবা হৌবকই— অমনা হংই— "নখোয় কনা কনানো? কদাযদগীনো? বদাযদা কবি তৌবা চৎলিদনো?" অমনা পায়রিবা করতালছু তাপ, লৌরগা মসিনা করিনো হংই, পালা অমনা খীংনবনী হায়বগী ভাবতা করতাল জুরায় জুরায় খীংলকই, মরোল মরোলদি তিম্নদবনীনা চোক তৌবা হৌবকপদা পালাশিংছু ইপা-পাখৎলি, ঈথক থক্কৎলি। গোড়া অমনা পালা অমগী কোকযেৎ অচৌবছু লৌখোক্লগা য়েংই, মাগী টুপিছু লৌখোক্লগা কোকযেৎ অচৌবছু মকোক্তা থোক হাপচিল্লি; গোড়া অমনা পুংয়েবগী পুংছু তাপ লৌরগা য়েংই— ধুং ধুং অমুক অনীবক থীনগৎলকই, নীক্লগা অমুক যেংই; পুংছু পুংযেবছুদা হুন্না অমুক পী, পুংয়েবা অত্থুনা মশাদ পাথৎপা অমা ইয়াও য়াওনা লৈবদগী অমদি লোল-লিগনা ফাওনত্রবনিনা পুংয়েযু হায়রিমাল্লে হায়না লৌত্থুনা লনী মথাইছুদা পুং চলন (চোলোম) ভমজবী থাত্থুনা তৌই, গোড়া অমনা পালাশিংছুগী মশা পাযত্থুনা মা-নাত্থুনা চোক তৌই। মতম অদুদদি অমাং-অশেংগী অকনবা চৎনবী লৈবা মতম্নিনা গোবিন্দ সেবা চৎপা পালাশিংছু গোড়ানা শোকাগ্র, মাংলবনী হায়বগী রাখলদা পুলীংদা য়াম্না শাওনীংবা অমসুং মুংঙাইতবা পোকই। অসুম্না গোড়াশিংছুনা পালাশিংছুদা ভাইহাক মুংঙাইথোকপা ওইনা লকনবোই করিবোই তৌরগা মখোযবু থাদোকপিথিবা, অত্থুদগীদি পালাশিংছুনা গোড়ানা শোকগ্রবনিনা মাংলবনী হায়বগী রাখলদা শাউনীংবগা লোয়নন্না মহৈ-মহৈ কোম্নুং কাদনা মযুম মযুমদা হুম্নখিবা— অসিনচিংবা নোক্নীংবগী দৃশ্য, দৃশ্য অসিদা উংখ।

---

* নাটক অসিগী মঙাগুবা অঙ্ক মরিশুবা দৃশ্যগী original manuscript নাটক ভেলুংমদদা থিবা ফংজদ্রে। দৃশ্য অসিদা উংখিবা লীলা পরিংসি, ঐনা হংজক্লবদা মথক্তা পজত্রবা শ্রীযুক্ত দীনমনি সিংহ না নীংশিংশিল্লকখিবনী।

মঙাশুবা দৃশ্য

লান কাপ্পবা

দৃশ্য অসিদা জাপানগী সিফাইশিং (Japanees army) INA দা য়াওবা civil dress শেৎপা মৈতৈ মচা খরনা lead তৌরগা (লমজিংলগা) মোংইরাংদা থুংলবা উৎলি অদুদগী জাপানগী লাম্মীশিংগা (Japanees army) ইংরাজী লাম্মী (British army) শিংগা লান শোক্লবা, কাপ্পবা দৃশ্যসিদা য়াওহল্লি। লান্দুদা জাপান্না বৃট্রিশকী মখুক্তা মায়থীবা দৃশ্য, দৃশ্যসিদা উৎখি।

---

* মথক্কী লীলা পরিং অসি শ্রীযুক্ত দীনমনি সিংহনা নীংশিংবীরকপনি ; অইবগী খুৎই (manuscript) গী লামায়দি থিবা ফংজদ্রে।

তরুকশুবা অংক

অহানবা দৃশ্য

কামেং চন্দ্রসিংগী মাঙ্গোন

(চন্দ্রসিং চিন্তা তৌনা ফম্বা)

চন্দ্র : ফরে, হৌজিক্তি অমরোমদা ৱাই শংলে। মুপী লৈত্রে, অমুক থিগে হায়বা আশাসু লৈতে— ঐগী আশা হায়ববু— নবকিশোরতনি— মহাক্তনা ঐবু পুল্লম্বনি— হৌজিক মহাকনা লৈতবা শেংলবদি ঐ মায়াজালদগীদি কোক্লগনি— খুয়া তুশিংনা ঈশ্বরগী নাম শোনবা য়ারগনি— অওইবা অমতং খঙলগা ঐ মণিপুর থাদোক্লুনা শ্রীধাম য়োৎলগে— ফরে হৌজিক্তি অমরোমদা ৱাই শংলে।

(নবীন চঙলকপা)

নবীন :— পাবুং করি তৌবিরিবনো ?

(চন্দ্র তাদবা)

নবীন :— পাবুং করি তৌবিরিবনো ?

চন্দ্র :— হা কনানো ?

নবীন :— পাবুং, নচা নবীননি।

চন্দ্র :— নবীন, ইপাগী ইবুঙো। নং লাক্লিবরা? মুঙাইরেদা ইচা লাকপদি— ইপাম্নু নংবু ওম্ভোক্লা উননীংনা লৈরম্মবনি।

নবীন :— করিগী ওইরবনো পাবুং?

চন্দ্র :— নতাওগী রা অনৌবদি তাদেদনকো?

নবীন :— থোইদোকপদি তাজদে, পাবুং ইতাওগীদমক থোইনা রাবীরুগম্নু— মীওইবা ঐথোইগী অফ ফত্তবা অপুন্বসি ঈশ্বরনা শীনবা ঙাক্তনি। ঐথোইনা রারুহুনা কান্নবা লৈতে।— অমসুং নববাবু হায়বসে জ্ঞান লৈরবা মীনি থোকপা অমা তৌহুনা হিংনবা তৌজরমগনি। হৌজিক পঙ্‌রা রাবীরুম্নু।

চন্দ্র :— ইপাম্নু মাশীদমক্তা রাবঙাকম্নু নাত্তে।— মাগীদি চৎলবনি— ঈশ্বরনা তম্না অমা লৈরমগনি— তৌইগুম্বসুং ইপানা রাবদি— থরোসনাগী দমজনি— মীগী মচা অসিমা ঐনা অসুক কুইনা থিংহুনা থম্বিরবনিদো— মার্চ্চগী তাং ২৫ অসিদা মাগী লুহোংবগী লেপহুনা লৈরবনি— হৌজিক শিজ অসিনা ত্রুং ত্রুং চোংহুনা লৈরিবসি ঐ ইতোমদা ইকাইবা, অরাবা অমসুং নীঙমদবনা খুদুম চনরেনে ইবুঙো।

নবীন :— অদু করমদি তৌনি— পাবুংনা তৌবদি নত্তেদনা।

চন্দ্র :— মাহুবুদি মাহুনি— অদুদা চুপী মচা অসি ঐগী ইচা শকুন্না হায়রিবা মুমিৎ অসিদা মতিক চাবা পাত্র অমদা কংচবা ঙম্ববদি ইপাগী লোইরে— ঐগী লৈজরা মথৈ তৌহুনা মাগী অওং অক্টন শেমজরম্মগা ইপাদি বৃন্দাবনদা বাস তৌগে নীংলে।

নবীন :— পাবুংনা নীংবা অদুসু করিগী থুংদ্রগবনো? ঈশ্বরগী থৌজাল লাকখিনি— ঙাইবীখো।

চন্দ্র :— অদুনা হৌজিক নঙোন্দা ইপা রা অমত্তং হায়গে— য়াদবা তৌগনু— নতাও নীংশিংহুনা ইপানা হায়বা অসি য়াউ।

নবীন :— পাবুংনা তাকপীবা পুন্নমক য়াজগনি!

চন্দ্র :— ঐনা ঙরাংদগী থম্লকইবদি— থরোসনা নঙোন্দা কৎলগতা ইপাগী হুংঙাইবা হায়বদু ওইগনি।

নবীন :— মাহু ঙাইবীখো পাবুং। নব বাবু হায়বদো মাঙ্‌বা য়াবা মী নত্তে— ঈশ্বরগী কৃপা শোয়দনা লৈরমগনি— হুপশোয়পোয়দনা হনককিগনি।

চন্দ্র :— অদুদা মাহুনা মকম থঙজিনবা কৌইদো ইবুঙো। অদুগা মুমিৎ অসিদগী হেনগ্রবদি মুপীবচা অসিসি চহি অনী থারবা য়াদে হায়রি— মাহু কয়া লুগ্রবনো— ইপানা থজ্ববদসু নব অমসুং নবীন হায়বসি খল ওনবদা অমনা হেল্লি হায়বা খঙদে— ইবুঙো ইপাগী অরোইবা রাইহেনি— য়াদবা তৌরম্নু— নতাওনা শিরমত্রে নংগা ঐগা চঙহনা নতাওগী অপাম্বা মুপী থিসি, ইবুঙো ইপাগী অরাবা অসিমত্তং কোকহল্লোগবা?

অনিশুবা দৃশ্য
গঙ্গা তোর্বান

নবকিশোর অমসুং মালিকা

নব :— ইবেম্মা ! মালিকা ! ঐ মনিপুরদা থোকউখিগে, অদুগা অমুক লাক্কুনা নংগা উনরগে নীংবনি— অদুবু ঈশ্বরগী খুজিন্না তপ্পা য়াদে হায়রমাল্লে— হৌজিক্তি ঐখোই কনাসু মনিপুর চংবা য়াদ্রেদো— ফরে ভগবতা যৎ বিধীয়াতে তন্মঙ্গলায়। অসিদা থুনা অমুক নংগা উনৌ হায়দুনা তমমাল্লে।

মালিকা :— ঐগী লাইবক ফবননি তাইবুঙো। তাইবুঙো— গঙ্গা হায়বা নদী অসি ওন্তোক্লা নীংথিজগ্রেদকো। ভৌরুনবা ঈশিং— ঈথক্তা ঈথকী জগোই— ঈয়ায়দা হিগী জগোই— নৌগী তাম্পা য়েংবিয়ুনে তাইবুঙো। হিন্দুগী তীর্থনি হায়বা মতিক চাবনি— মযাম্না লাউবিবসিবু থাজবিদ্রা— সুখদা মোক্ষদা গঙ্গা গঙ্গৈব পরমাগতি।

নব ইবেম্মা - মালিকা। ঙসি ঐ নঙোন্দা রা অমতং হায়নীঙিঙ— পুক্নীংদা কুইনা ফমদুনা নৈরবা রানী— ফোংদোক্কবা অবাবা হায়বসে ওন্না চাকপা মৈগুম্বনি— ঙসি মৈবী থোক্লা চাক্রসঃ— পুক্নিংগী অবাবা বোক্লগে।

মালিকা :- তাকপিয়ু।

নব মালিকা। ওস্তোকপা মতমদা নঙোন্দা ঐগী মুংশিবা পোকখি— লানলক্তা বোম মবক্তা মতম অসিফাওবা নংবু মুংশিবা অসে মচনগী মুংশিবা ওইসনু হায়না হোৎনবনি— অদুবু - থম্মোইগী অথুপ্পা মফমদগী কনাগুম্বা অমগী থৌইনশিন্না মাদু থিংলে— থিংবগী মরুওইবা মরমদি— ঐগী ইহৈ তন্নীংবা। মাদুসু হন্দকী মপোক অসিদদি থাজদ্রে। হৌজিক্তি নঙোন্দগী খঙনীংবা মতম অমা ওইরে— নহাক্লা ঐবু মুংশিবরা ?

মালিকা :— ইবুঙো। ঐবু করি হায়জৌ হায়বগে— মমা কায়নরবী মালিকানা কনা য়েংদুনা— কনাগী আশাদগী ঙসি ফাওবা হিংদুনা লৈবগে ? — মরাইবক যীরবী মাদিকানা কনাগী মশুংলাংগীদমক ভাওদুনা লম্বীদা চৎপনো ? রারবা মতম— লাম্নক্তা অহানবা মিৎ মরি অসি হেক তিন্নবদা— তোল্লবী মুপী মচা ঐগী থম্মোইদা হৌখিবা ঈথক অদু নিশা ওইবনা কয়ন্না খঙগনি ? অদুবু ইবুঙো। মরাইবক যবী কনাগুম্বগী কাদা য়েঙনা মুংশিবগী থম্মোইদা ঈরাং হৌদুনববুদি ঐনা রাজবনা কৈ হায়দুনা ঙসি ফাওবা লৈরম্নবিবনি। অদুনা হৌজিক ঐবু করি অমুক হায়খো হায়বগে তাকপিয়ু।

* কবি মশা'না ইরগা খুংইদগী লৌখৎচবনি।

নব :— উং, খঙলে। থরো সনা— মচৎ কজরবী— মশক নিংথিরবী— রাশক চেৎলবী— পোকপদগী কায়রবী— মুপী মচা ওইবগী মিহৌবা লৈত্রবী মাগী আশামু ঐ খঙিঙ। মমা মপানা হায়বা ইনবগী থৌইনশিন্না মা মরোল লোন্দবনি। মামু ঙসি ফাওবা মপুক লোঙল্লিবনি। শোয়দনা নিংথৌমচা ওইবগী সত্যগী রাশক ঙাক্লুনা মপানগী অপাম্বগী লাং পুম্নমক লাম্হোক্লরিগনি। — অঙ্গুগা লাও মালিকা! ঙসি গুহাগী অরুবা লাইজ শোক্লুনা রাশরুবনি— ঐগী মুংশিবগী মশক ওল্লবনি।

মালিকা :— ইবুঙো! হৌজিক্তি তোল্লবী ঐদি শিরবমু— ওক্লে। শিরবমু— হুয়েংমপোক্তা— লৈরাং ওইরবমু লৈখোক অমতা শাৎমিন্নরনি— চেক্লা ওইরবমু উকৈ অমতদা তোংমিন্নরনি— অচুনা ঐনা হায়জনীংলিবদি পাম্মবগী নীংবা থুংলবা ঐগী নীংবা থুংগনি মুংশিবগী মুংঙাইবনা ঐগী মুংঙাইবনি— ঐগী লাহানমথৈ লাইশোল ওইজরীবা— মহৈ তম্নীংবা কনাগুম্বগী তেংবাংজবা গুমজহুনা— মাগী সেবা তৌজবা! ইবুঙোনা মাসিদং থুংহনবিয়ু— ঐগা পাবুংগা লেপজরে— লুপা লিশিং তরা ঙসি খুয়াখাদা কৎচরবনি। ঙসিমক কলিকতা লেংবিরো মহৈ পেন্না তম্বিকখা ঐগী চুপীমচা ওইবগী অচেৎপা পুকচেল লৈজে— খাঙবা কনবগী থম্মোই লৈজে— অসিনা ঐগী অরোইবা মীংশিংজনীংবনি—

নব :— মালিকা! থবাইগী মুংশিরবী! নংবু ঐ মুন্না খঙিঙ— ইবিঙানিগী মুংশিবা অসে মতম পুন্নমক্তা অচেৎপা প্রেমগী থৌরীনা পুনবা ওইসমু— লাও চান্নরবী— জাহ্নবীগী ঈযায অসিদা চোংথহুনা মমাংগী পাপ পুম্নমক বোক্রসি। লাও, মুংশিরবী (কোন্দুনা পুবা) মাহুনা নংগী মুংঙাইগদবা ওইরবদি— ঐ ঙসিমক কালিকাতা চৎলগে— ঐথোই অনীগী সংযম অসি পৃথ্বীদা উৎসি — অচাবা মতম য়েংহুনা মুংশিবগী লমন খুন্নসি।

অহুমশুবা দৃশ্য

কমেং চন্দ্রসিংহ মাঙ্গোল — (মফি মোৎনা শেৎলবা মানা চক্কনা ফম্বা।)

চন্দ্র :— হা হরি, কদোইঙে ঐগী অরাবসি কোক্লগবা— মুপী লোঅ ইচা লৈত্রে— অমরোমদা রাই শংলবনিসে— অচুদা থোইদোক্লা মুংশি হৈতবগী মশক ওইরবা লান অসি নহ্রবদি লহাননা শ্রীধাম ফংজহুনা ঈংনা নাম শোল্লবা য়ারবনিদো — লাইবক থীবা মী হায়বসিগীদি অমুক নীংবা থুংবা হায়বা লৈতে— অঙ্গুগা নবীন অসিনা তৌরিবসিনা করিনো— ঐগী লৈজবা পুন্নমক মাঙোন্দা লাম্হোক্লে— অচুদা ঐগী পৈশা অমতা ফাওবা লোদনা মানা তাঙবা শেন্না ঐবু থাক্লি মাহু— নতাও নববু মুংশিবদগী ওইবমু য়াই। ইচামক লৈহুনমু অহুম তৌবিগনি হায়বা মীংদে।

---

* কবি মশানা ঈরম্বা খুৎইনগী লোমৎচবান।

(নবীন চংলকপা)

নবীন :— পাবুং ঐনা হায়জবনা চুয়ে— নববাবু শিদ্রে ; কোহিমাদা ছুবথনগা থেংনৈ হায়এ— অত্তুদগী নবদ্বীপ তাম্না হল্লে হায়— শ্রীযুক্ত ভাংবম চাউবা ঠিকাদারগী মতেংনা হৌজিক কলিকাতাদা এম, এ, তম্মি হায় ঐ হৌজিক্তা নববাবুদগী চিঠি অমা ফংজরে।

চন্দ্র :— করিনো ! নংনা হায়রিবসিবু মওলা তাইবংলা ? শোয়ন্দ্রবরনে ?

নবীন : য়েংবিয়ু পাবুং ! চিঠি অসিদা লৈরে— নববাবুগী মখুংমক্কি।

চন্দ্র :— করে— ঈশ্বরগী নোংদম্নি। পীনহৈরবা ভদ্রলোক অত্তুগী মতেংনা মহৈ তম্বা ফংলে হায়বতুসু ওংম্বারা মুংঙাইবা অমনি। মাগী মহৈ তম্বগী মরমদা ঐগী পাম্মবা লৈতে লৈতবদগী মাবু তোকহনবনি।

নবীন :— হৌজিক্তি পুন্নমক ফয়ে পাবুং। ঐনা হায়জনীংবা অমতংদদি লৈরি— নববাবুগী মুপী অসিদদি ঐ থিজগে— পাবুংনা য়াথং পীবিয়ু— ঐ মরুপকী লমন খুমজগে।

চন্দ্র :— ইপাদি অহল ওইরবা বুদ্ধি মাঙলবনি— করি অমতা খওদ— পুন্নমক নংনা শীনগদবনি।

নবীন :— হৌজিক ইতাওগী মহৈ তম্বদা তেংবাংলিবা ভদ্রলোক অসিগী মালিকা কৌবী মচানুপী অমা লৈ— মশক মতৌসু য়াম্ভে— মহৈ হৈ— মরম ওকই ইভাওগীদমক ঐ মুপী মচা অসি লৌবা পাম্মি।

চন্দ্র :— চুম্মি— মহৈ তম্বদা তেংবাংবা মী অমগী মচা মরাইবক্তা তমদ্রে— অত্তুগা অতোপ্পা অমগী মচা লৌবদি ঐগীসু অপাম্বনি।

নবীন : হৌজিক্তি মনিপুরদগী ছুবমন পুন্নমকসু তাম্থোকখ্রে— ঐ ছয়েংমক কলিকাতা যাত্রা তৌজরগে— পুন্নমক থোৱাং তৌহনা— অসিদা নব মালিকাগী বিবাহ কর্ম্ম পাংথোক্কবা খুজিল তৌজরুগে।

চন্দ্র :— ফৈ ! ইচানা পাম্বতা— মাগী মহৈ তম্বসু কালেন ছুটিনি কায়রয়োই। য়াম্না ফয়ে।

কযেং চন্দ্রসিংগী য়ুম। (অহিং অমুথংবা — অমম্বা)

নবীন, ভাংবম চাউবা, নবকিশোর অমসুং মালতী চংলকপা

নব :— পাবুং। পাবুং ! তুম্লবরা ?

নবীন :— পাবুং তুম্মিরবরা করিনো ?

চন্দ্র :— কনা কনানো অসুপ থেঙলবদা লাকইবসিবো ?

---

* কবি মথাসী খুইদগী লোৎথকপনি।

নব :— ঐখোইনি পাবুং।

চন্দ্র :— ঐখোই হায়বদি ?

নবীন :— নচা নবীনখোইনি— ইতাওস্থ লাক্লে— খুড়াঙাংস্থ, ইবেম্মা মালতীস্থ য়াওরক্লে।

চন্দ্রসিং মম্বিৎ নোইহুনা খোরকপা

চন্দ্র : মতম অসিদা লুৎ তৌনরেতা হায়রবত্নদা কিবু কিরুরে— ইবুঙো ঠিকাদার লেংশিল্লু।

নব নবীন মপা খুরম্বা

চন্দ্র :— ইবুঙো নবীন, ইবুঙো নবকিশোর— নখোই অনীবু অমুক উবা অসিদা ইপাগী অরাবা পুন্নমক কোক্লে হৌজিক্তি ইপা শিরবস্থ ওক্লে— অত্নগী মতুংদা ইবুঙো ঠীকাদারনা নচাগী মহৈ তম্বগী মরমদা তেংবাংবিবা পুন্নমক তাজরে— করিনা লমন খুমগনি খঙজত্রে— ঐনা ওবজবা হায়ববু পুক্নিং অনী লোওদনা ঈশ্বরগী খুয়াদা ইবুঙোগী মঙ্গল নিবা অসিতা মঙায়।

ঙাং চাউবা :— তাইবুঙো! তাইবুঙোনা পোকপা ইচা নবীন হায়বা অসে ঐগীস্থ ইচাদগী হেল্লা সুংশিবনি— অমরোমদা ইপাস্থ শরুবনি— বোম মরক্তগী মানা ঐবু অমসুং পাঙ্গল শোল্লবী সুপীমচাসিবু কনবিরক্লবনি— লানলক্তা ঐখোইবু তীর্থ স্নান তৌহল্লবনি— হুম্বকী মপোক অসিমা ঐখোইদি মাগী লমন তোল্লবনি—হৌজিক ঐনা হায়জনীংবদি ঐগী পঙলবী সুপীমচা অসিবু ইচা নবকিশোরদা কথোকচনীংই— মাসিদা তাদওাংনা চানবিহুনা থুংহনবিয়ু।

চন্দ্র :— মাহুদি ইবুঙোঙাং ঐনা হায়জবা ঙমদবগীনি— ননাইগী মরাইবক ফবনি।

নবীন :— পাবুং পুন্নমক ঐনা শীনজরক্লে— হয়েংসিমক শুভ বিবাহ দিননি। পুন্নমক লেংশিন্দুনা পোথাবীরো অহিং ফন থেংথ্রে— ঐ হয়েংগী বন্দোবস্ত পুন্নমক তৌজরগে?

মঙাশুবা দৃশ্য

ইন্দ্রজাল

(নব অমসুং নবীন)

নব :— My dear লানদি মরোইরগদবোইনা—German না any moment তা Surrender তৌবা য়ারে হায়নে। অশাংবা সাইরেন অমা, খোংলক্লবদি মাসি খঙনগদবনি হায়বা notice তৌবা উজরক্লেনে।

নবীন :— My dear ঐখোইনা হৌজিক পাম্নিবস্থ অহুতনিদনা পৃথ্বী অসে লানগী মৈনা চাক্লনা বারেদা। লাও My dear। হৌজিক ঐখোইগী নীংবস্থ থুংলে— ঈশ্বরদা World peace কী প্রার্থনা তৌসি :—

---

* কবি মশানা ইরম্বা থুংইদগী লৌথংচবনি।

ঈশৈ

(নব নবীন Chorus)

খুরমজরি ঈশ্বর জগৎকী মপা ৫।
নিজরি খুরাদা তোপবা ননাইনা
নেমহল্লো জগত্তা— লানগী নিন্‌খোংবা
তোকহল্লো হৌজিক অমগা অমগা খৎনব।—
পৃথ্বী পুম্বগী থমোই ওইহল্লো অমগা,
জাতি পুম্বা ওসি তোকহল্লো য়েংথীনবা
পুনশিরো লোইনা চান্নবা থৌরীনা
লেংশিনবিরো খুাইগী থমোই আসন্দা
পানজরগে ঈংনা, নিংথৌগী নিংথোউ।

অশাংবা সারেন খোংবা

নবীন :— My dear হৌজিক্তি মতম কুইনা ঐখোইনা নীংজরকপা ওসি থুংলে। ঈশ্বরগী থৌজান্না পৃথ্বী অসি অমুক ঈংবা ওইরসু।—

(একতান রস)

God save aur Gracious King
Long live our noble King
God save the King
Send him victorious
Happy and Glorious
Long to reign over us
God save the King.

যবানিকা

লোইরনা।

কোঙখ্রবা লাইরিক

ছাত্রমচা

(গদ্য অমসুং পদ্য)

শ্রীখাইরাকপম চাওবা সিংহনা লেংবা ।

Printed at the State Press,
and
Published at the State Library.
Imphal.
1931.
First Edition.

মাহৌখোক

আসাম পুন্নমক্কী টেক্সটবুক কমিটীনা লৌখৎলবা ক্লাস ৬।৭।৮ গী মরকপগী লাইরিক মশা তরাগী মতা য়েংত্তুনা লাইরিক মচা অসি লেংজে। মাসিদা আসাম এড়ুকেসন ডিপার্টমেন্টনা শন্দোকপা সিলেবাসগী মতুংইন্না লোন তম্বীবগা লোঙ্গননা হৌনবী অমস্তুং রাজভক্তি তম্বিবা হাঙ্গবা অহু ভম্বমখে কাঙ্গদনবা ভাকচরি। অহানবগী মায়েং অনি অসিদা মীগী মাখল খরা পুথোক-পুশিল য়াওরবস্তু অতৈদি ইশাগীনা নম্মি। লোনগী মরমদা— মরাইনা য়াওজরকপা সংস্কৃত শব্দদি খংনরবা মৈতৈ লোন্নি হাঙ্গনা খঞ্জত্তুনা ওম্বোকপা তৌজরে। অবাবা অমদি— লাইরিক অসি লৈবাক মমাংদা পুথোকপা ভমগনি হাঙ্গবগী থোইনা থাজখিবা লৈতবনা মায়েং পুন্নমক্কী লোন অমস্তুং মাখল চাংনাইহনবা ভমজরে অমস্তুং মাসি লৈবাক্কী মরমদা ঐনা তৌজগদবনি হাঙ্গত্তুনা খনবা নত্তুনা মীনা ভাংলক্কদবগী মরমদা থোইনা চিংনরুবা লৈখিদবনা লাইরিক অসিগী মফম, লেং য়ান্না হস্থবা তারে। মাসি পুন্নমক পুকচেন চাওবা পাবিবা মী পুন্নমক্না ভাকপিগনি হাঙ্গনা নিংজে। লাইরিক মচা অসিনা ঐনা তমজরিবা অভাংশিংগী মরীদা খরদং কান্নরুরবদি নোমজরুবগী মহৈ য়াল্লে হাঙ্গত্তুনা হরাওজগনি। ইতি

উরিপোক শরবন থিঙেল
৬।১০।২৩ ইং

শ্রীখাইরাকপম চাউবা সিংহ

জননী জন্মভূমিচ স্বর্গাদপি গরীয়সী।

শ্রীলীলানন্দসিংহ।

— :0: —

ছাত্রমচা



তম্বা

ভাইবংমীগা জীব অতৈগা খেন্নবা অসি কদাইদনো ? মীওইবসু জীব অতৈগুম্না চাই, চংলি, তুম্মি। রা ডাংই, মচা সুংশি, মথরাই হিংনবগী লানফম শোক্লহুনা লৈরি। অচুম্বনি, মীওইবসু জীব অমনি। তৌইগুম্বসুং জীবনিদি হাঙ্গরগা মীওইবা হাঙ্গবা অসিদি রাখন লৈবা জীবনি। শা-উচেকনচিংবা জীবশিংনা তৌবা থবক পুম্নমক অসি অযাম্বদি মহৌশাগী ওইবা লৌশিং (instinct) গী মখা পোনবনি। মাহুদি মখোইনা পোকপদগী লোঙ্গনরকলবা লৌশিংনি, তমহুনা হৈরকপা নত্তে মন্না নিরামিষ চারিবা অসি মখোইনা লাইরিক অমদগী ফংবা নত্তে; কৈনা হাজং চাদনা শাহিং-ডাহিং চারিবা অসি বনাগুম্বা মাইবা নত্রগা ডাক্তরনা তাকপা নত্তে; মহৌশা হাঙ্গবী লাইরেম্বীনা মখোইবু লৌশিং অসিগা লোঙ্গননা তেংবানবদা থাবকলিবনি; মাখোইনা মাহু তৌদবা ডমদে অহুগা তৌদবা যন্ত্রা হাঙ্গবসু মাখোইনা খনবা লৈতে। মীওইবসু জীবনি মাসি লৈতবা নত্তে, লৈ; তৌইগুম্বসুং তুম্বা, চাবা, মচা সুংশিবনচিংবা হীরম খরা নত্তনা অতৈদি মীওইবদি রাখনগী মখা পোল্লি। মপুনা পীবিরম্বা লৌশিং অহুৎদা য়েংহুনা লৈথোকপা য়াদে; মীওইবদি মপুনশি চুম্না অনৌ অনৌবা লৌশিং তানগদবনি। ঈশ্বরনা জীব অতৈদা থৌজানবিবগুম্না মীওইবদদি তৌবিরমত্রে। জীব অতৈগীদি মহৌশাগী ওইবা শাবান অমসুং লৌশিং অহুনা হিংহুনা পান্নবগী মরীদা করিসু রাংপা লৈতে। তৌইগুম্বসুং ঈশ্বরনা মীওইববুদি চাউরবা মকোক অমা পানবিহুনা লম্ফাংলবা তেংবানবদা থাদোকপিরম্মে। মীওইবগী মখুত্তা অথৌবা খুজিন পান্দে; ময়া অথৌবা লৈতে, অয়াংবা মখোং পীনবিরমদে। মাহাক্কী পাবচাউরবা থোপ অহু নত্তনা মাগী পাম্বৈ অমা লোতে। অহুগা অমুক মাগী রাখন অহুসু মতম পুম্নমক্তা অচুম্বাডাক্তা থোক্তে। জীব অতৈগীদি লম্বী অমতনি; শোঙ্গবা নাইদে। অহুগা মীওইবগীদি লম্ফাংনি; লম্বেল তরা চৎকদবনি, লম্ক্ক-নগদবনি, অহুম তৌহুনা অমুক অনৌবা লৌশিং তানগদবনি। তেংবানবা পুম্নমক অসিমক মাহাক্কী 'স্কুলনি' পোকপগা ভর্তি ওইরবনি; মরম অসিনা তম্বা হাঙ্গবা অসি মীওইনা পোক্নবদি থাদোকপা য়াবা নত্তে।

ঐখোইনা করিসু লৈত্রবা হিরম অসিদা নিডাইগী লুরবা লাং শন্দোকলুবা অসিদা কনাগুম্না য়েংনিংঙ্গবসু য়াই। মরু ওইবা য়াদি— লাইরিক পুম্নমক্তা মহৈ হৈতবা মীদি শাগা মান্নে হাঙ্গবা অহু অচুবনি। মসুংদা শাগুম্মি হাঙ্গবদসু নত্তে; মপান্নসু অহুমডাই। মরমদি তম্বনা মীওইবগী অপাম্ববু শেংদোকপি। খোংঙ্গী ফুকপদা ডাঙ্গরিবা অহুসু য়োৎনি, অহুগা থাংজমগী

খুং চংলবা থাং অসিন্থ য়োংনি। অছুগা বিলাতকী সাহেবশিংগী মতুমচাশিং অছুন্থ মীনি। গারোগী শম্পুরী হাওবুরী অসিন্থ মীনি। তস্বগী তাওকপগী মশক ওইরবা শেংদোকনবগী পাঙ্গলনা অনি অসিবু অস্থুপকী মতিক খেন্নহল্লে — অনি অসি জাৎ অমতগী জীবনি হাঙ্গবা য়োনা চিংনবা পোক্লে। অনিমক শক ফজবা পাম্বডাকনি, অনিমক লৈতেংবা পাম্বডাকনি। তৌইগুম্বস্থুং অনিমক অসিগী 'শেংপা চাবগী অপাম্বগী খেন্নবা অহুক য়েংউ, অমবুনা খেক্রখেক-নোৗগনৌ শোরারেনগী জগোইশাবীগুম উই; অমবুনা হিংচাবীগুম্না উরি। মরম অসিনা মী ওইহুনা তেংবান্নবগী শিন্দমশং অসিদা চংলবা মতুংদম্থ তমদবা য়াদে! মীওইবগী মরক্তা মথকথোংবা খুবম ফংনবা অমত্তুং হিংহুনা পানবদা জুগোৎচাবা, মুঙাই-য়াইফবা পুন্নমক ফংনবগীদমক তমদবা য়াদে হাইবদি অমুক খুদম পীরুবগী কান্নবা লৈরিব্রা? মশা পান্দবা মীনা অভিয়াদা পাইরিবা, কংফান্দা ভাবা মীনা ঈশিং মন্থুংদা চৎলিবা, শোল্লবা মীনা হুংশিংকী মমাং-থানা চেল্লিবা পুন্নমক অসি উরবদি এৗখোই ইশানা অতোপ্পা জীবগী রায়েন চংদনা মীওইবনা জীব পুন্নমকী মকোকনি হাঙ্গহুনা লম্লাই থাগৎচরিবা অসি অচুম্নমক ওইরে হাঙ্গবা খঙজে। অওইবমক মীওইবগী মফমদা মহৌশা হাঙ্গবী লাইরেন্বী মাইথীরে। কৈগী খুজিল থৌই, কান্নদ্রে, শামুগী পাঙ্গল চাউই, চংনদ্রে; লৈচিল্লা গুমিং খুমহুনা মতম লোৎপা এনদ্রে, মহৌশানা মাইথীরে, মীওইবগী রাখল্লা জয় ওইরে; ঈশ্বরনা মীওইবদা থোপ পীবিরমহুনা তেংবানবদা জীবগী জগত্তা নিংথৌরেনগী ফম্বাল তোংলে। ঈশ্বরগী থৌজাল ফংদে হাঙ্গরগম্থ ব্রহ্মানবনা পোকওমদ্রবনি মীওইবগী মপোকনি হাঙ্গবা অচুম্বনি। মাসি ফংলগা মাগী রাখল শীজিন্নবদা লাইথোক্রবা, তম্বদা থৌশাদ্রবা মী অহুদি মীম্নুংছুংনি হাঙ্গগে হাঙ্গয়ু, শানি হাঙ্গগে হাঙ্গয়ু, হাঙ্গগে হাঙ্গবতা হাঙ্গয়ু এৗখোইনা মাহুদা হুডাইভবা তৌরোই।

এৗখোইগী রাহৈ মতানা রাখম্লেনবা মীনা নোকনগনবা মতা অমস্থ লৈরি।—পোকপদগী তেংবানবগী স্কুলদা ভর্ত্তি ওইরে, তক্ষমগী করি রাৎপা লৈরবা? চৎথি চৎখিবদা শিল্লেনগী হুংশিরবা বীনাগী খোঙ্গেল তাবা ফংই। মীওইবগা মামনা লাইবক্ফবা জীব অমা লৈতে। অচুম্বনি, রাখল লাইন্নবা মীওইবা জীবগী তমনিঙাইগী অরাৎপা লৈতে। তৌইগুম্বস্থুং মীওইবা অসিদি শোল্লি, অথৌবা খুজিল পান্দে, মচিন্দা অথৌবা ময়া লৈতে; করি অমুক হাঙ্গগনি মীওইবগী মকোক্তা মচি অনিদা য়োনা পাল্লমদ্রে। অহুনা কল্লবা জীব অতৈশিংগী মরক অসিদা লহান্না মীওইবগী মমিং মুংশ্রংদবনি! তৌইগুম্বস্থুং জীবনিদি হাঙ্গরগা মীওইবা হাঙ্গবা অসিদি কাংবু তাবা জীবনি। অমনা ঙমদবা অহু ময়াম তিম্নরগা ঙম্মি। অছুগা শোনবা মরমনা মশাগী রাখন্দনস্থ হিংহুনা পানবা লুই। হিংহুনা পানবদা মতিকচাবা রাখল পুন্নমকস্থ মী অমগী খোম্না গুনা য়াওদে; অহুনা অমগা অমগা তমনৈ, অরাৎপা মেনশিন্নে। অমগী রাখল অমদা তাকনবা, অমগী মহৈ অমনা তমনবা মখোইনা রাহৈ থন্না ভাংহুনা কাংবু কাংবুগী লোল হাঙ্গবা অমা অমমমস্থ শেমলে; মাহুনা অমগী মতৌ অমদা তাকনবা য়ামনা জুগোৎ চারি। অন্নুমনা অমনা অমগী মতৌ তম্বা অসিবু এৗখোইনা

মহৌশানা তম্বা হাঙ্গনা খংনরিব্বা অসিনি। মীওইবা পুম্নমক্তী তম্ফম স্কুল অহুমথকনি। অহানবদা ইয়ুং মচুংদা মমা, মপা, মচিন মনাওগী মকমদগী জীবগী হৌনবী, মীওইবগী হৌনবী পুম্নমক চুম্মি। পণ্ডিত অমনা হায়রিবা অমা লৈ, "চহি মঙাদা মচাবু তম্বিবা হৌগনি হাঙ্গবা অহুদি অক্লানবনি, অরেম্বদা চহি মঙা মাংহল্লবা হাঙ্গবা অহুনি।" অঙাংশিংনা পোকপদগী মমা মপানচিংবদগী তম্বা হৌই। মরম অসিনা মমা মপা ঐখোইনা ফিদম লোগল্লবা অঙাংদা অফবা খুদম উৎনবা লাকনবনা চুম্মি। লৈপাকনা মেত্তনা লাই শাবগুমনা পিকলবা অঙাংসু মেত্তনা শেম্বা য়াই।

অনিশুবকপা তম্ফমনা স্কুলদনি। মীওইবগী অহানবা পরীক্ষা পাস ওইরগা অঙাংনা ওয়াগী মফমদা তম্বা হৌই। মফম অহুদা মাহাকনা মীকোক থোংবা ঙমনবা ওয়াগী মকমদগী পাউতাক লৌই। ঐখোইনা ইরিবা য়াম্লেং অসি দি হন্দক হাঙ্গরিবা স্কুলগী ছাত্র অসিবুনি। মতম অসিদা অঙাংশিংনা হুকচাং, পুকনিং অমসুং ধর্ম হিরম অহুম অসি য়াবমখৈ চাওথৎনবা লাকনগদবনি। মহৈ তম্বগী মরু ওইবা মরমদু লৌশিং তানবনি। হৌজিক্তা অয়াম্বনা শেম্তানবা নত্তনা মহৈ তম্বগী কান্নবা লৈতে হাঙ্গনা নিংনরে। মাদু অরানবনি। শেম্তানবদি লৌশিংগী মতুংইনবা মহৈনি। ম [illegible] ফনা চমত্নদ্ ঐখোই হিন্দুগী লৌনফম থোক্তে।

লাইরিক তম্ফমশংগী তম্বা হেক লোইবগা মীওইবগী তম্বা লোইরে হাঙ্গনা নিংবা লাক্লি। মীওইবগী য়াথঙ্দি চাওখৎপা নাই। পুনশি চুপ্পা অসি পুম্নমক তম্বগী মতিক চাবা মতম ঙাক্তনি। উরুত্তনা য়েংলুত্তনা কয়া তমনিংঙাই কয়া হৈনিংঙাই লৈরিবা হাঙ্গত্নবু অরেম্বনি। স্কুলদা মতম খরদং তম্মগা হৈবা লোইরে হাঙ্গত্তনা নাপল তৌরিবশিং অহু য়াম্না অপংবনি। নিউটনগুম্বা চাউরবা পণ্ডিতমক্সু তোর্বান্দগী হেক্লিনবা ঙমখিরবা মহৈগী সমুদ্রদু য়াংমা লাপ্লে হাঙ্গত্তনা নাপল তৌরিবশিং অদগা মান্নবা পংববু কনা লৈরিবগে ? স্কুলগী তম্বা হেক লোইবগা ছাত্রশিংনা তেংবানবগী মশক্ত ওইরবা তম্ফমদা চংগদবনি। মতম অদদা মাখোইনা তম্মকপা মহৈ অদ শীজিন্নদনা হিংদনা পান্নবগী মরমদা অয়াম্বা হীরম তম্মদনা অমুক অনৌবা হীরম তমগদবনি।

মহৈ তম্বা অসিবু ছাত্রশিংনা অরুবা পোৎলুম পুবগুম য়ানা নিংই কনাগুম্বনসু করম্বদা তম্বগী য়োৎছিলং অসি কোক্তনা তেংবানবগী হুঙাইবগী ঈথক অসিদা তাউজবা ঙম্মগত্রা হাঙ্গনা নিংঙি। তৌইগুম্বসুং মহৈ তম্বগী থাঙ্গশেংবা মরু ওইবা মন্ত্র ফংলবা মীশিং অদদি হিংলিঙৈদনা স্বর্গগী হুঙাইবগী অমৃত থকপা ফংঙি। মাখোইনা অনৌ অনৌবা হীরম থিরুদনা, থংলদনা ফংবা হুংঙাইবা অদনা অচম্বা ইথ্রি পেনবনা হুংঙাইবদগী য়াম্না হেল্লি। ঐখোইনা থংলবসু থংত্রবসু মখোই অদত্রবু হুঙাইবনি হায়নিংঙি মপান্দা ফনা য়ানা উত্নবসু মখোইগী থম্মোই অহু হুঙাইবগী ইফুৎনি।

ছাত্র

মহৈ তমলিবা "ছাত্র" করম্বনা মমাম্নবগী মকোক থংনিংদবা য়াওবগে? অফবা ছাত্রনি হাঙ্গৈহুনা মীনা থাগৎনবা অসি ছাত্র পুম্নমক থেম্নবা নাইদনা চপমান্নবা পাম্বা ঙাক্কনি। খিত্তিগী হৌনবী নাইনা ওঝাগী চিনথা থাহুনা লৈরবা ফত্রবা, শেম্বা থোক্কবা ছাত্র অতম্ভ অফবা অমগী মকা ফক্কবা, মাইথোং উক্রগা শুদ্ধাত্তনা করিগুম্বা মতম অমদা নত্রবস্থ করিগুম্বা মতম অমদা কন্নকউবা ঙাক্কনি, মপান্দা চিম্বান্দা ফনা অর্থ য়াওদনা নোক্কনস্থ থম্মোইগী অথুপ্পা মক্কমদদি মাহু পাম্বা মথৈদি ওম্বা ঙাক্কনি। (ছাত্র হাঙ্গৈবা অসি মফম অসিদা ঐথোইনা অয়াম্বদি লাইরিক তম্ফমশংদা তমলিবা ছাত্রশিংগী মরমদা ইরে। তৌইগুম্বস্থং মফম অতৈদস্থ অসিমঙাই। লৈপাকলৈমা অসি থাঙ্গৈশেংবদি শিন্দমশংনি; মীওইবা পুমনমক মাসিগী ছাত্র ঙাক্কনি। অহন, পাখং, নহা পুমনমক অসি হৈরবদি মপুগী শিন্দমফম অসিদা কয়া তমনিংঙাই লৈ। অমম্ভং তম্ফদনা য়েংঙদনা কয়া হৈনিংঙাই লৈরিবা!) পুমনমক অসি, তৌইগুম্বস্থং চপমান্নবা মীকোক থোংবা পাম্বা ঙাক্কনি। মাথোইনা নিংঙিবা অসি মফম পুমনমক্তা থুংব্রা? পুকনিংগী অপাম্বদি মান্নরবস্থ মাথোইনা নিংবদি মান্নবা থুংদ্রিবা করিননো?— ফনা লুবা পাওখুম্ননি। মরম অতৈ ফনা লৈহুনস্থ ঐথোইনা হাঙ্গৈনিংঙি, মীওইবা হাঙ্গৈবা অসি শকমান্নদবগুমনা মান্নদে— ঙমনমক মান্নবা মফম অমতদা, হীরম অমতদা ভমহুনস্থ ছাত্র পুমনমকস্থ থেম্নে। ঐথোইনা উক্তারুহুনা থংলক-পদগী ছাত্র হাঙ্গৈবা অসি মথল অহুম থোকনা খাইনিংঙি।— ১। মরাইবক ফবা ছাত্র। ২। অফবা ছাত্র। ৩। শেম্বা থোক্কবা ছাত্র। মরম অসিমক্তনা ছাত্রশিংনা চপমান্নবা তম্মিন্নহুনস্থ নান্নবা ঙমদে— মতুংদস্থ থবক্কী লমদা চংনরকলবদস্থ তোঙান তোঙান তানৈ।

মরাইবক ফবা ছাত্র হাঙ্গৈবা অসিস্থ মথল য়াম্মি। কনাগুম্বগী লৌশিংনা অরংবা থাংগুমনা লংঙি। মমাংদা তারবা পোং অতু মাহাক্কী অথোবা বুদ্ধিনা য়েন্দেম শোইবগুম হেক্তা ককথংনা। মাহাক্কী পুকচেন অমস্থং রাথনগা মাবু লমজিংবিরিবা অহল্লমনগী পাউতাক্তা য়েৎনবা লৈতে। তাকপিরিবা পাউতাক অতুনা অফবনি হাঙ্গৈনবু নিংলবদি মাহাকনা কৈগী মতু কোইবা ঙম্মি, অরাংবা চীংদা কাবা কিদে, অমম্বা গুহাদা চংবদা হঙ্গোইবা লৈতে। মাহাকনা চৎলকপা মচং ত্রৌথোকরকপা থবক পুন্নমক মেরাথাগী থাবনঅমদি ওলাংথাগী চন্দন চাইবা লৈরাংগুম থম্মোই ইংলনবগী মশক ওই। তৌগদবা থবক্তা মাহাকনা মমাই ওনবা তৌদে। মতম হাঙ্গৈবা অসি মমল নাইদবা লম্নি হাঙ্গৈবা মাহাক্তনা নিংথিনা থংঙি। ফত্তবা সঙ্গ তিন্নদখনচিংবা অসি মাঙোন্দা অম্মুক পাউত্তাকনক্কবা নাইদে। তেংবানবা শেম্বা ঈশ্বরনা মাবু তেংবানবদা তমলবন্দীদমক অমদি তম্নহুনা মশাগী অমস্থং লৈবাক্কী কান্নবা থবক অমা পাংথোকউ হাঙ্গৈহুনা থাবিরকপনি হাঙ্গৈব অহুদা কল্লি চিংনফম লৈবগে? মাহুদা মপুগী থৌজান্না অমুক্তা হৌনবী পুমনমক গুনা খংলবা

মচাবু মুংশিবগা লোঈননা অফবা সম্বেন্দা চিংশিনবিবা হৈরবা মপা মমা যংলবা ছাত্র অদুদি সনা মথক্তা মণি থিনবগুম্বনি। তৌইগুম্বসুং মাদুদা ঐখোইগী করিসু মিহৌরুফম লৈতে। মাদু মরাইবক ফবনি হাঈবদি চুম্মি; ঈশ্বরনা মহাকপু অবাং-অপাগী অনংবা থংহল্লে; লম্বাংনবা তেংবানবদা লমজিংবিনবা অথংবা অহৈবা অফবা মমা মপা পীনবিরে; অহানবা ঈরাংকে হেক নিংলকপদা মহৈগী মপু ওইরিবী সরস্বতীনা থম্মোইগী আসন্দা বীণাগা লোইমনা লেংশিনবিরে অমসুং থুপলবা মহৈগী লাইশংগী থোং হাংদোকপিরে; হাইযু, মহৈ তম্বগী অসিগুম্বা খুদোংচাবা অসি ঐগী পুক্লিংগী মথা পোনবরা? ঈশ্বরগী থৌজাল, মহৌশাগী লৌশিং, মহৌশাগী ফজবা লমচৎ পুন্নমক অসি থেন্নবা লৈতনা পামদ্রুনসু নিংঙকপদা হেক লাম্বা ফংবা লম নত্তে। অসুম্না চংনফম ফবা পোকফম ফবনচিংবদগী মশাগী মহৌশাগী লৌশিংগী পাঙ্গলনচিংবা বাংলবসু নিংবদগী হেন্না মহৈ হৈবসু ঙম্মি; মাদুসু মরাইবক ফবা ছাত্রনি; তৌইগুম্বসুং লাইবক হাঈবা অসি পুক্লিংগী মথা পোন্দে। অদুগা মাসিগা ঐখোইনা নিংঙিবা ৱাথল অসিগসু করিসু মরী খোকপা লৈতে। মবনদি নখোইগা তম্বগা থোঈনা নকনবা করি লৈবগে?

তৌইগুবসুং ঐখোইনা হাঈরিবা অসিদি অমরোমদা য়াইমবনি হাঈরগা অমরোমদদি মকোক ওইবা ছাত্রনি। ঈশ্বরনা মাঙোন্দা অদুপ থোবা বুদ্ধি পীবিরমদে হাঈদুনসু মাহাকনা সুঙাইতবা তৌদে। মীনা অমুক হোৎনবদা ঙম্বা থবক অদু মাহাক্না মঙারক হোৎনবা তাই হাঈদুনসু মাহাক্কী অতনবা লৈতে। লাইনা মাঙোন্দা থবক ঙমনবা ইন্দ্রি পুন্নমক পীদুনা মহাকপু তেংবানবদা থাবিরক্লে, মাহাক্না মহাক্কী তৌগদবা থবক্তা মাইওনশিনবা অসি তৌগদবমক্তি হাঈবা অহানবদগী হৌনা থংই। অনোমকনবা অসি মাহাক্কী পীথোকরক্লবা মগুণনি। অমুক অনিরক নোম্মবদা ঙমদ্রবসু মাহাক্না হনবা অমসুং নিংবা কাঈবা তৌদে। মরমদি মাহাক্না মুন্না থংই হোৎনরবদা ঙমদবা করি লৈবগে? অমুক্তা ঙমদ্রবসু অনিরক হোৎনগনি, অনিরক্তা ঙমদ্রবসু মঙারক্তা ঙমগনি; পাংগে হাঈরিবা থবক অদুবু পাংবা ঙম্নবদি মীনা অমুক হোৎনবদগী মহুত্তা ঐনা মঙারক হোৎনবা তারবসু মমৈদদি করি থেন্নবা লৈরবগে? নত্তবা লমচৎ ফত্তবা ৱাথল পুন্নমক মহৌশানা অসিগুম্বা ছাত্রশিং অসিগী পুক্লিংদা মফম ফংদে; মরমদি মাহাক্কী থবকনা থল্লবা মপুনশি অদুদা মাদু থল্লুনবা মতম ফংদে। মাহাক্কী লমচৎনা বসন্ত ঋতুদা শিৎপা মলয়াগী নুংশিৎকুম্বা থেংনরুদদা মীগী পুক্লিং গুন্দত্তবা ঙমদে। মরাইবক থীবনা অরাবা অনংবগী হৈপাক্তদি তাদুনা লৈরে, তন্নিবা মহৈ অদুদসু নহনা হৈরবা অতৈ কয়াসু তৌনিঙাই লৈরি; তৌইগুম্বসুং থবক অনি ফাংনা তৌগদৌরি ছাঈবা অসি মাহাক্কী মপুক্লিংদা থল্লুবা তৌদে। মরমদি হোৎনবনা মহাক্কী পুনশিগী ব্রত ওইদুনা লৈরবা মী অদুনা থবক্কী লমদা অমুক করি নৌহৌনা থল্লুকম লৈবগে? য়োকপিরিবা মমা মপানসু পাল্লিবা 'অবস্থাগী' মতুংইন্না মপুক্লিংদদি কনা নিংবা লৈদুনসু মচাবু থোগৎপা ঙমদ্রে, করি অমুক হাঈগনি করি করিগুম্বা মফমদা পুক্লিং ৱাবগা লোঈননা খামজিনবা ফাওবা য়াররক্তে; মাদুদা মখোইনা করি তৌগনি। মফম অয়াদদা

হোৎনবনা অৱাবা অনংবগী পন পুন্নমক লাক্লোকই। মশানা তন্নিংবা মীশিং অহংগী তমকনগী করি ৱাৎপা লৈবগে ? তোক্নুনা থবক্কী লমদা চংলক্লবা অতুস্থ মাহাক্কী তন্নিংঙাইনা অমুক ৱাৎপা লৈতে। বাঙালাগী ঈশ্বরচন্দ্র বিদ্যাসাগর, বিলাতকী নিউটনচিংবা অচৌবা মী পুন্নমক্কী ৱারী পাৱবদি ম্না অসি নিংথিনা খংবা ঙমগনি। ঐখোইনা খংলবস্থ খংত্রবস্থ মাখোই অসিতবু ছাত্র কৌনিংই। মরাইবক ফবা ছাত্রশিংনা মহৌশানা নাপল য়াওগল্লি (য়াওত্রবদি মপা লৈত্রবা ছাত্রনি) অমসুং লাইরেম্না লকুং কাহুনা শি হাঙবগুন্না থাংমথক্কা মাংগল্লি। মাহাক্কী পীথোরক্লবা লৌশিং অহুস্থ শীজিন্নবা ৱাৎপনা তোনানগল্লি। তৌইগুম্বসুং অফবা ছাত্রশিংগী ৱাখল অমসুং লৌশিংদি তোঙনা শীজিন্নবা থাংগুম্বনি, ফুদোংলবা সনাগুম্বনি। তুংদা থবক্কী লমদা চংনরক-লবদসু মাহাক্কী বুদ্ধি-লৌশিং অহু লৈবাক্কী কান্নবঙাক্কা ওইরে। ধর্ম্ম হাঙবা অসি মাখোইদা খোইনা লুবা থতক নত্তে। ভক্তিনা মাখোইগী থম্মোইদা ওন্তনা শাংগা লৈরাংনি; মরৈবাক অমসুং মাগী জাৎপু সুংশিবনা মাগী থম্মোইগী ঈথুৎনি।

মথল অনি অসিদা চল্লবা ছাত্রমথল অমসু লৈরি। মখোই অহুবু মথল অহুম গুবগী হা এ কৌবা য়াই। মখোইগী মবক্তা বয়া মকম অমগীদি যামনা নোখংনফমসু লৈ; নোল্লুকপনা অসিগুম্বা ছাত্রশিং অসিগী মহৌশানা পীথোবকলবা লৈতেংনি; অহন্নমনগী যাথং ইনবগা মখোইগী মচৎকা যেৎনবসু লৈতে; ছাত্র পুমনক্কী মরু ওইবা তমনফম 'ফজবা লমচৎ' পুমনমকসু মশাদা ৱাৎপা তৌদে। তৌইগুম্বসুং মখোইগী পংলবা বুদ্ধি অহুনা মহৌশানা করিগুম্বা হীরম অমগী মসুংদা চংশিনবা ঙমদে; করিগুম্বা ঙমলবএকসু থোরকনবা লম্বী থংদে; অহুগা মহৌশাগী ইচংথোবা অমদি নোম্বা কল্লবসু উইনকনবা ৱাৎপনা মখোই হীরম করিগুম্বা অমদা মীমান্নবদি ঙমদে। ঙমগদবা লৈব্বসু করিগুম্বা অমদা হেক পনবগা মাখোইগী লৌশিং অমসুং ৱাখল অহু মমাই হেক্না ওয়্যি, মতম অহুদা মখোইগী পংলবা বুদ্ধি অহু হীরম অহুদা অমুক ঈনশিনবা ম্যাদ্রে। মাখোই অসিদি শেম্না থোকওইদবা ছাত্রদি নাত্ত হাঙরবসু লান্দে। মাসি মৈতৈ ৱাহৈদা শিন্নফম ওন্নবা হাঙবা অদৃগুম্বনি। লাইনা নংবু নংগী সুংশিরবা খোজেন অদৃনা মীগী পূকনিং ঙম্মৎলু হাঙদৃনা থরকলে; নংনা মাদৃ তোক্কুনা মাইবা শাহুনা লৈরবদি নহাকনা হীরম অদৃদি পাংবা ঙম্বসু য়াই ঙাদবসু য়াই; অদৃগা লৌবুক্তা কুমদৃনা লাঙোন য়োংলম ফাৎলু য়োংবলৈ মোংথাং শ'রু হাঙদৃনা থারকপা নহাকনা মাদৃ তোক্কুনা-কলমগী থবক তমলবদি পাংবা ঙম্বসু য়াই ঙমদরবসু য়াই। হীরম পুন্নমক্তা গুনা ফবদি তাংই। মাসিমকনা মাখোইগী চাওথৎপগী অথেংবী নৈথাইবমক অমবসু থাসি পম্নবসু ৱাতা ফনা চাই। অসুম্বা ছাত্রশিং অসিদি তুংদা থবক্কী লমদদি মীফাংথাবমক ঙমদ্রবসু য়াম্নবগা পাবা য়ারোই হাঙক্লবা য়াদে। মখোইগী মমিংদি কর্কটিল্লবা ছাত্র কৌই। শেম্না থোক্তবা ছাত্র হায়বা অসি অমুক অমি থোক্না থাঙরি। ছাত্র করাম্নকুমদি মহৈ তৈক্লবা অসি খোইনা পাম্বা লাক্তে; পামদে হাঙক্লবদি ঐখোইনা লানবা তাবসু য়াই; তৌইগুম্বসুং মখোইনা পাম্বা অদৃদি মথল অনি ছাত্রশিংগী থাংজৈশেংবা তম্বগী মরম অহুগী কান্নবদি মাখোইনা খংদে; মখোইনা পাম্বদি মাহুগী

মহৈতনি ? হোংবা অদু চাউবা অদু মহৈ তমদুনা ফরে, চঙাইরে .মাইফরে হাঙ্গৈরবদি মাহাকনা মখোইগী মতৌ অদু ওইনিংই, পাম্মি ; অদুগা করিনা মাখোইনা অদুম্বা অফবা খুবম অদু ফংবা ঙমগ্রিবনো হাঙ্গৈবদি মাহাক্না থঙ্গিংদে। মরম অদুনা মাখোইনা তম্বদি থোইনা পাম্বা নত্তে। মাখোইনা তম্বনি হাঙ্গৈদুনা হোৎনবগী মরমদি থাঙ্গৈশেংবা মমা মপামক্তনি। মপা অদুনা নহা ওইরিঙৈদা মচাগুমনা নাম্বোকহৌদুনা তুংদা মীথা পোনবা তারকলবদা রারক্তুনা নত্রগা য়ুম্বান ফবা মমা-মপানা মচানা মীথোই মীহেনবা পামদুনা মমিংমথা ইবা ঙম্মথৈ তা, নামসঙ্কীর্ত্তন শকপা ঙম্ফাওবতা, পোরোক য়ৈবা ঙম্মথৈতদি অসিনচিংবা হাঙ্গৈদুনা তমফম অমদা থাই। তৌইগুম্বসুং থাঙ্গৈশেংবদি মমা মপাগী পুকনিংদা অদুদগী হেন্না চাউবা আশা লৈরম্ব, মচা অদুনা ছাত্র মম্বর অসিগী মতুংদা তারবদি মমা মপানা হাঙ্গৈখিবা মমিংমথা ইবমথৈ হাঙ্গৈবা অদুদা মাহাক্কী মহৈগী ঙমথৈসু লোইবা তারে। অসিগুম্বা ছাত্রশিং অসিগা মমাংগী মরাইবক ফবা ছাত্রশিং অতুগা মপাঙ্গোংদদি ফনা মান্নে। অফবা মমা মপা ফংবা, মতম কুইনা লাইরিক্কা লোঙ্গৈননা লৈবনচিংদদি মাখোইগী মরাইবক ফবা ছাত্রশিং অতুগা করিসু থেম্নবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং য়াম্না থেম্নবদি মতুংদা লৈ। মিৎচিনা মমা মপাগী মমি উরিবমথৈ করিগুম্বা লাইনিংবা মুনিগুম্না মাখোইনা অরুবা রাখন থনবগুম তৌই, কবিগুম্দা তেনবানা হরিগী কোলোই শকপগুম্না খোঙ্জেন রাংনা শোল্লি। তৌইগুম্বসুং মাতুনবু থম্মোই মতুং য়োরবদি মাখোইসু ছাত্রগী কাংলুপ ওনবা য়াগদবনি। তক্কমদসু অসিমভাঙ্গৈ। লৈথোকপা স্কুলগী চৈরাকনচিংবা অসি অসিগুম্বা ছাত্রশিংনা শেম্বা অনৌবা রাহৈনি। কযানকম অমগীদি মমা মপাগী অতুগুম্বা থৌঙ্গৈনশিনসু য়াওদে ; হৈননবা নোম্বা, উইনকম্বা, তম্বসু মাখোইনা থোইনা তৌনিংদে। পুক্রিংগী নোল্লুকপনচিংবা অফবা রাখন পুন্নমকা মাখোইগী পুকচেনগা তিন্নবা লৈতে ; অতুগা মাদু হাঙ্গৈদুনসু মপানগী ভক্তি অথুম্বা রাহৈদি মশাদা রাৎপা তৌদে ; মতম চাবা য়েংদুনা মথকথোংবা মীদা অথুম্বা রাহৈ অনি মরিদং হাঙ্গৈদুনা চিরোন তৌরুবসু হৈ। অহল্লমম্মা মাগী শিন অদু থাদুনা মাখোইগী থুদুং ইল্লু নত্রগা অতোপ্পা অমদা হোৎনৌ হাঙ্গৈদুনা ঙাংবদসু মহাকনা নাচুংদে ; মাহাকপু তম্বিরিবা অতুগা মাইয়োক্লরিবমথৈ মাহাক্না তাকপিবা পাউতাক অতু মতুং য়োত্রবসু চিঙ্গাম্দা অথুম্বা রাহৈনা লৌই। তৌইগুম্বসুং মাতু মিকুপ অনিগী মতুংদা মপুক্কা লৈতে ; মাহাক্না ছাত্র ওইবগী মতৌ অতু পাম্মি ; তৌইগুম্বসুং মাহাক্কী হৌনবীদি ঙাকপা ঙমদে। কলম নাদা চিনবা লাইরিক নাকন্দা য়েপ্পনচিংবতনা ছাত্র কৌবা য়াদে হাঙ্গৈবা অসি মাহাক্না থংদে। মাখোই অসিদি ছাত্রগী থবক তৌবা জাৎনি, ছাত্র নত্তে।

ছাত্র ওইবগী মুংঙাইবা অসি মাতুগী মরনদা মুক্ক থংলবা অহৈ-অশিং পুন্নমক্না যান্না থাগৎনৈ ; মাতু থাদোকলুদুনা লাক্লে হাঙ্গৈবগী মরমদা য়ান্না পুক্রিং রানৈ ; তৌইগুপসুং ছাত্র ওইরিঙৈদো মাসি থংবদি য়াম্মদে। মহৈ তম্মিঙৈদা মীমান্নদবগা মান্ননা মুঙাইতবা অসি অতৈ করি লৈবগে ? চাগম্মি হাঙ্গৈবগী অরাবা থংদে, শেংকনি হাঙ্গৈবগী মুঙাইতবা য়াওদ্রি ; করিগুম্বা অরাবা থোগাই

অমস্থু মথক্তা ননবা লৈতে ; অদুম ওইনমক ছাত্র অয়াম্বনা মাখোইগী পুনশি অদুব্রু পুবা ঙমত্রবা পেংখলুমগী মতৌগুম নিংঙি তেংবানবগী অরাবা অমতমু মশানা নংত্রি ; তৌইগুম্বসুং থমোইদি অরাবগী মৈমা চাল্লি ; মাইথোংস্থু অরাবনা লাংশিল্লে ; থুংথিল চংথিদুনা অহিং চংলকই, অমম্বা হৌখিদুনা অঙানবা লাকই গুমিং, থা, চয়োল, চহি মথং মথং চংগ্রি তৌইগুম্বসুং মাহাক্কী মতমগীদি অওনবা লৈতে, থমোইদা করি অমতা হৈনিংবা পোক্তে। মাহাক্কী পুনশিগী অরুম্বা অত্থু থোইনা হেন্না লুমশিল্লকই। পুং, ইশৈ, লাইরিক অসি মথংমথং তৌত্থুনা য়েংঙুই ; তৌইগুম্বসুং করি অমতদমু মাহাক্কা পুক্নিং থিংজিল্লুবা ঙমদে। মযুমদা অমস্থুং তম্ফমদা নাকন অনিমক্তা চম্নবা য়াত্রবা মী অত্থুগী করি লেম্ফম লৈরিবগে? থুঙাইরবা ছাত্রগী পুনশিগী মতাং অসিদা অস্থুম্না অরাবা হেক ক্ষংলকলবদা ঐথোইনা হাঙ্গনিংঙি "নিংবা কাইগনু, নংগী তৌগদবা থবক্তা মাই ওনশিল্লু"। অমত্রোমদা অফবা ছাত্রশিংগী পুনশি অত্থুদি থবক্কী পরেংনা শাগৎপনি ; মাহাক্কী পুক্নিংদা অরাবা রাথন থল্লুনবা মতম ফংদে। অরাবদি ঙম্মোই হাঙ্গত্থুনা নিংবা থাদোক্লবদা অমদি হৈনিংবা লৈরকত্রবদা মতুংদা পোকপনি। মীথোই মীহেনগে তাল্লিবা, হৈসি শিংসি হাঙ্গত্থুনা তেমশিংনঙৈ মতম অসিদা করি থুঙাইতবা পোকফম লৈবগে? পুনশিগী মতাং অসিদা অসিগুম্বা লাইথুং অসি হেক পানবদা মথাদা ইরিবা লাইরা থরা অসি শোন্দুনা পুক্নিং হস্নৌ ; শোঙ্গদনা লাইকোকপা য়াই। শেম্বা থোক্তবনি হাঙ্গ হাঙ্গত্থুনা নিংবা কাঙ্গগনু ; মীনা শেম্বিবদা থোক্তবস্থু নশানা শেমজৌ ; নশানা নশাগী অরাৎপা য়েংত্থুনা শেমজরবদা করি শেম্বা থোক্তবা লৈগদগে?

---

(১) তৌগদবা থবক্তা মাই ওনশিল্লু, নোম্মু, তনগনু।
(২) নিংবা কাঙ্গগনু, হন্না হন্না হোৎনৌ।
(৩) মীগী মপানতাংবা তমগনু।
(৪) অফবা সঙ্গ তিল্লু।
(৫) অহল্লমন্না হাঙ্গবা ইল্লু।
(৬) মতম মাংহনগনু।
(৭) নোল্লুকপা তম্মু।
(৮) চাংনাইবা তম্মু।

তৌগদবা থবক্তা মাই ওনশিন্নু ; নোম্মু তনগনু ।

তৌগদবা থবক্তা মাঙ্গীপুননা হোৎনবা অমস্তুং নোম্বা হাঙ্গীবা অসি অহললমন্দগী ফংবা পাউতাকনি হাঙ্গীদনা ইকাই খুমনফম থোকই হাঙ্গীবতা নত্তে, মাসি তেংবানবা শেম্বা ঈশ্বরগী মহৌশাগী হৌনবীনি। অতনবা, থবক্তা মাইওন্থোকপা হাঙ্গীবা অসিদি মপুগী হৌনবী কাঙ্গীরবা মীওইবগী খুৎশেম ওইবা মচৎনি। ৱাথনচাউবা মী পুন্নমকনা তেংবানবগী মাইকৈ তরামক শীনবা থুংনা য়েংলুবদা ৱাখন অসি অচুম্বনি হাঙ্গীবা মপুকনিংদা খঙবা ঙমগনি। য়েংঙু, অহিংনা মমৈহেক লোমলকপমক্তদা কাক্কী লম্বাউ শীল্লে, চরোইতেতু খোংলে, নোংপোক মাইকৈদা চিংথৈগী ফীছুপ ছুল্লে, কোরৌহনবনা অয়ুক্কী মালংদা ইনৌ নৌনা শাৎকাইরে। অতুগী অমুক হুমিৎ অদুনা নোংচুপচীংয়া হেক থাংখিবদা তাংথক নাইত্রবা থা অমস্তুং থৱানমিচাকনা অহিংগী অতিয়াবু লৈতেংলি; অহিংদা তাবা জীবনা তেংবানবা অসি অমুক নৌনা মথবাই পানবগুম তৌরি। মতমচানা নোংতারি, হুংশিং শিৎলি, নোংথাংগী অঙকপা মঙাল্লা অতিয়া শীনবা থুংনা ঙাল্লি। অমুমনা তেংবানবগী শা-উচেক, তীল-কাং মৈ-ঙশিং, নোং-হুংশিং পুমনমক অসি থবক্কী লমদা হৱাওরি, হুংঙাইরি, লমথুংফম নাইত্রবা থবক্কী ঈচেম্না তেংবানবা শিনবা থুংনা চেল্লি। অমুমনা চহি কয়া চৎখ্রে, যুগ কয়া হৌখ্রে; তেংবানবা শেম্বা মচাক পুন্নমক তেংনবান্নদুনা মপুগী খুৎশেম কয়া কাঙ্গীথরে, অনৌবা কয়া শেমগৎলে, মীওইবগী মৈহৌ-রোন্দা ওন্থোকপা থৌরম কয়া চনখরে; তৌইগুম্বস্তুং থবক্কী ঈচেন লেম্না নাইদে, পোত্থাবা লৈত্তে। মীওইবা নত্তনা ঈশ্বরনা শেম্বিরম্লবা তেংবানবা অসিদা তৌগদবা থবক্তা মাই ওন্থোকপা উদে।

তৌইগুম্বস্তুং ছাত্রশিংগী তৌগদবা থবক্তি করিনো? ঐখোইনা খঙভি অঙাং, পাখং, অহল পুন্নমক্কী পুনশি অসি থবকনা শাগৎপা ঙাক্তনি। থবক হেক লোইবগা তাইবংমীগী মীওইবুম্নু লোই। মীওইনা পাল্লবদা তৌগদবা থবক্কী করি ৱাৎফম লৈবগে? তৌইগুম্বস্তুং মাসি ফাগিজুগাই তৌনফমদি থোক্তে। অসিগুম্বা পাউথুম করিগুম্বা তারবদি ঐখোইনা পুকনিং অৱাবগা লোঙ্গীননা হাঙ্গীনিংঙি হৌনবী অমা নাইনা ওঝা গুরু অমগী মনাক্তা খন্দুনা লৈরিবা মী অদুগীদি তৌগদবা থবক্কী মমিংমখৈ তাবগীদি করি অমুক ৱাৎপা লৈরমগনি। মাদু ঙাকপা ঙম্বা, ঙমদবদি ৱা অমনি। মরম অসিনা অমদি লাইরিক অসি পারগনু মাদুগী মরমদা য়াম্না লৌশিং তাবনু য়াই হাঙ্গীনা খন্দুনা মাসি ইদুনা অমুক ৱারেং অসি শাংদোকহল্লরোই।

অঙাং ওইরিঙৈগী মতম অম্রি, তৌগদবা থবক্তা মাইওনশিনবা, নোম্বা অমস্তুং অতনবা থাদোকপা তম্নবগী অথোইবা মতমনি। অঙাংগী পূকচেল অসি অৱাবা মিংশেনগুম্বনি। মাহাক্কী মনাংদা তাররবা পোৎ পুন্নমক মাদুদা হেক্তা মমি তাই। অঙাংগী থমোইদি ফত্তবা ৱাখন

অমতস্থ পক্তি ; মতম অহুদি মাখোইগী থমোই অহু অচুম্বা খঙনবগীদমক্তা হৈনিংঙ্গনা লৈ। মতম অসিদা নোম্বগী মন্ন অসি হুলহৌদ্রবদি তুংদা মাত্ত পোকলকনি হাঙৈবা নিংফম লৈরে। মতিকচানা নৈনরবতদা হকচাং অমসুং পুক্লিংগী মপুংফানা চাওখৎপা ফংবা ঙম্মি। মাহুদা পুক্লিংচংনা নোমহুনা অতনবা থাদোকুনা হোৎনরবতদা মাহুগী নৈনবা থোকই। রাহৈদগী থবক্কী মহৈনা থোইনা তুংকোইনৈ। থবকনা পুনশিগী অফবা অচৌবা পুন্নমক চাওখৎলি। মরম অহুনা ঐখোইনা অফবনি অচুম্বনি হাঙৈনা নিংবা অহু নোম্বকনবা, উইনকনবগা লোইননা থবক্তা পানশিন্নবা হোৎনবা হৌনৈ। তন্দুনা মতম লৈনবগা মান্ননা মুংঙাইতবা কবি লৈবগে? মতম লেনবদা রাবদি থবক লৈতবা মীগীদনি। মরমদি মুঙাইবা হাঙৈবা অসি থবকপাম্বা অমসুং থবক্কী মহৈনি! নোম্বা নত্তনা নিংবা থুংনা মুঙাইবা অমসুং চাওখৎপা ঙমদে। তেংবানবদা তৌরিবা ওইথোক্লনা, মীনা ঙম্বা হৌনদ্রব্ব থবক পুন্নমক অসি নোম্বগী মহৈ ঙাক্তনি। তেংবানবনা মাখোইগী মমিং পনখনা শেংনরিবা অচৌবা মীশিংগী রারী পাররবদি খংবা ঙমগনি, মাখোইনা মখোইগী খুবম অহু য়ৌনবা হোৎনবদা কয়া নোম্বা তাখিবা! থবক্তা মাই ওন্তোকপা মীশিং অহুগী থবকনা করম্না মচুত্তাবা অমসুং মীথোই মীহৈনবা য়াগনি? মাখোইতনা হুম্না হুম্না নিংবা কাইহুনা খোংফম খোংফম থুদিংদা ইকাইবা অমসুং অরাবা ফংডি! ঐখোইগী মাসি লৈতবনা ঐখোইনা করিগুম্বা অচৌবা থবক অমত্তা তৌবা ঙমদ্রি।

লাইরুন্নবা, নংননবা, বাননবগী মকুব্ব অতনবনি। মাসি থমোইগী লৈরাংদা তোংবা ভীনশুর্বনি। ভীনচারবা লৈনা মথং মথং চিকথত্তুনা কেনখিবগুন্না অতনবনা হেক তোংখ্রবদা থমোইস্ব অস্থম লৈথা তাথখি। অওইবমক অতনবা মীগী থমোই অসি ভূতপ্রেত পুন্নমক্কী য়াকাবুংনি। মাহু মাহৌশানা ফত্তফত্তবা নত্ত নত্রবা রাখন পুন্নমক্কী তুংনফমনি। মাসি চাওখৎপগী লম্বীদা পনগী মশকনি। ঈশ্বরনা নঙোন্দা উননবগী অমসুং উহুনা চাওখৎপা অপূম্বগী মপু ওইবা যানবা মিৎ পীবিরম্মী; তৌইগুম্বসুং নংনা নমিৎ অহুদা উয্যল চাইশিন্দুনা মিত্তাংবা ওইহুনা লৈরবদি করম্না মাহুদগী চাওখৎপা ফংগনি? ঈশ্বরনা নঙোন্দা ভাননবা অমসুং ভাহুনা হৈহৌ-শিংহৌনবা নাকোং পীনবিরম্মি; নংনা মাহুদা য়োৎশিঙোৎ থিংজিন্দুনা নাপংবা শাহুনা লৈরে; করম্না ভাবদগী নংগী চাওখৎফম লৈরে? ঈশ্বরনা নঙোন্দা খোঙ থুৎনচিংবা থবক ঙম্বা ইন্দ্রি পুন্নমক পীবিহুনা নমাম্নবগী মকোকথোংবা য়ানবা শেম্বিরমলি; তৌইগুম্বসুং নংনা মাখোই পুন্নমক্কী শীজিন্নবা তোক্তুনা হৈবোং মথা হিপ্পুনা লৈরবদি অমসুং অতনবগী ময়াইনা মথোঙ অনি পানবা শা ওইরবদি নংগী করি চাওখৎফম লৈরিবগে?

অস্থুম্না থমোইদা অতনবগী মমিনা হেক ভারবদা মী অহু লাইরপদবা, নংগদবা, বাগদবা নকলে হাঙৈনা খংবদা লানকম লৈতে। মাসি হাঙ্গৈবরগা অঙাং মচাশিংগী লাইরিক্তা য়াওবা রারী অমা নিংশিংঙকই। মতম অমদা ইমাক-কৈরাক খুনবা লৌউবা মুপা অমগী নবীন কৌবা মচামুপা অমা

:বম্মী। মপানা শিগ্রবদা নবীন্না মাহাক্কী মপাল নাইত্রবা লনথুম, অপুম্বগী মপু ওইরে। মপাগী
{পা}না মহাক্কী লনথুম, মহৈমশিংনচিংবা বাৎপা লৈত্রবসু মাহাক্কী অচৌবা দোষ অমা লৈরম্মী—
মাহুদি অতনবনি। মাহাক্কী থবক্তা খুৎ থিংজিন্নিংদবা অসিমক্তনা নরম শুইহনা মমৈথংদদি মাহাক্কী
পুক থল্লা চানবা য়ৌনা ফংডক্তে। মাহু উবদা নোংমা মাহাক্কী মরুপ অমনা হায়খি "নবীন!
অহুম তৌরবদি মাংলগনি। ঐ য়াম্না লুপ্রবা ব্রা অমা তাকপিগে; নং নিতিগী অযুক ভন্তা
ংগী ইংখোলগী অবোঙইবা অসিদা বরিগুম্বা অঙৌবা নম্রগা নাপু মানবা উচেক উব্রা য়েংউ মাহুদা।
লগা নংগী লৌবুক্তা কুমহনা মাহুদা ইহান হানবদা তাবা উচেক অমতং হাৎনবা থোৱাং
ং, অহু ওইরবদি নংগী কৈ অসি সনা নম্রগা লুপানা থলহনবা য়াগনি।" পাম্বৈ লৈত্রবা
ন্না মপুক্তিংদা আশা য়াম্না ৎেহনা মতুংগী হুমিক্তা মাহুমক তৌরে। অহানবা ইংখোল হেক
ঙইবকপদা উবে, খংদবা মী অমনা মাহাক্কী কোক্তগী ফৌ হুহনা চেল্লি; তৌইগুম্বসুং মাহাক্কী
দনা নোঙইববা, মশা হনবদগী শোল্লবা অহনা মাহাকপু যাবা ভমত্রে। মাহুদসু মাহাক্কী
লদ। অতনবনা ফকচিল্লবা লৌশিং অহনা মাহাক্কী অনংবগী মবম খংবা ভমদহনা লৌবুকতাননবা
খ। মফম অদদসু লৌবোল্লবশিংনা ফৌবৈদগী ফৌ হুবনচিংবা উরুরগা মাহাক্কী মরুপকী.
অদদগী অর্থ মাহাক্কা খংলে। অযুক ভণ্ডনবগী মুংশিংনা মশাদা য়ৈবদা মাহাক্কী অতনবা
ৎ কোকখি। অমসুং মমান্নবা অতৈনা পুন্নিং ভুক্তু হবাওনা কোলোই লাউনা শক্তুনা মাগী
গা মশিন শনবা উদনা মপুক্তিংদা ইকাই মুংশি য়ান্নরে। মাদদগী অতৎপা লৈতনা নোম্বনা
ন খবগী মনুংদা মাহাক্কী হান্নগী যুম্বাল অদ হঞ্জিনবা ভমখি। মাসি খুংনাক ব্রারীনি হাঙইবদি
ম, তৌইগুম্বসু মাসিদগী অতনবনা কবয়া পুন্নিং হকচাংবু মাংহনগে হায়বা অদগা অতনবা
ব পকশবদা মী অদ শোইদনা লাঙইবা অনংবা মফংলে হাঙইবা অদ থংবা যাগনি।

অমরামদা নোম্বা হাঙইবা অসি মুভাই-যাইফবা অপুম্বগী পোক্নফম্নি। লৈবাক্কী লৈহাও
বগী পাঙ্গল লৈ হাঙইদনসু খোইদবা যাদে, খোইদনা মরু হুন্দবা য়াদে, পাম্বী খাওদবা
দ, খাওদনা যৈদবা যাদে; মাদতদা মরু ফংগদবনি। পাম্বীদা ফি ওইনা পান্দে; লশিং
কদবনি; হেক্তুনা নাইগদবনি; নাইদনা মেৎভুনা মতুংদা শেৎন-ইম্নবা ফি শাগদবনি; মাদতদা
খাইনা ফি ফংভি। অসিনচিংবা, অসিনচিংবা। মীনা হুভাই-য়াইফবা চাওখৎপা থুভম ফংবদি
ক মাহাক্কী নোম্বগী চাং অদগী মতুংইনবনি। মপুগী লৈবাক অসিদদি মীচংমীখাই নাইবগী
ক লৈতে; মাহাক মাহাক্কা হুনবা মরু অদগী পাম্বী শোঙইদনা হৌগদবনি। তেংবানবদা
াব যাইফরে হাঙইবিবা অদ নোম্বা কল্লি, মমল নাইত্রবা মতম ওন্দুনা অরেম্বদা মাংহন্দে
ইবনি। অওইবমক নোম্বনা লাইবক ফবগী অপোকপম্নি, অতনবনা মাদবু মাংহনবনি। অসুম্না
{গা} নত্তুমা কম্নিমতা ফংকম লৈতে হাঙইদনসু নোম্বা হাঙইবা অসি হুভাইবগী থবক ওইহল্লি
ইবা খনুম্নগা পুন্নিংদা হুভাইবা পোকই। থবক লৈতবগা মাম্নমা ব্রাবা অমা তেংবানবদা লৈতে—

মী অদ্ অঙাওবগা পান্দম ওই, লৈনফম খংদে, হাংনফম লৈতে। মতিকচানা নোম্নগভা ভুম্বা মুঙাই, চাবা হাউই। অদগা লাইনা পীরক্লনদি নোম্বঙাক্লনস্ চৎনদে হাঙনা নিংবস্ মুমদে। "চাওখৎপা হাঙবা অসি ম্নোম্বগী মনাগী মশক্নি। নংগী লৌশিংনা শিংলবস্ নোমছনা মাচু চাউখৎহনগদবনি। অদুগুম্বা লৌশিং লৈত্রবস্ নোমছনা নংগী অরাৎপা মেনশিনগদবনি। মরমচানা নোম্নবদা ফংদবা লৈতে"।

অঙাং ওইরিঙৈদগী মতিকচানা নোম্বা তমগদবনি। ফত্তবা সঙ্গ, অয়াম্বা পাপকী থবক্তগী মশাবু কঞ্জগে হায়রবদি থবক্তা মাঙ ওনশিনবা নত্তনা পাম্বে লৈতে, অত্তনবা হাঙবা অসি, হুরনবা চংনবা ময়ুমগী থোং হাংদোক্লনা থম্বগুম্বনি। ঈচেল লৈত্তবা ঈশিংদা অয়াম্বা ভীল-কাং পোক্লনা ঈশিং মাংবগুম্না অত্তনবা পুক্নিংদস্ নত্ত-নত্তবা বাথন পোক্লনা, মাহুবু মাংহল্লি। নোম্বদা ঈকাই খুম্নবনচিংবা মাংভি হাঙনা নিংবস্ অরানবনি। মশানা মশাগী থবক পাংথোরবা হোৎনবদা করি ঈকাইফম লৈবগে? বিলাতকী মমিং চৎলবা মন্ত্রী গ্লাডষ্টোন্না মশানা উ য়াল্লি। পাকচাউরবা রুম্ব লৈবাক্কী নিংথৌরেন পিটরনা মশানা লৌ খোই। মমিং চৎলবা জনক নিংথৌনা লৌ খোইবদগী সীতাবু ফংখি। বেঞ্জামিন ফ্রাঙ্কলিনগী বাদি খ্বাইস্ তারম্নিগনি।— মশানা বৈথেন কাই, মশানা ছাপাগী চে গাডীদা হাপ্লনা চিংভি। মাহাক্না অনংবা ইমুংদা পোক্লনস্ নোম্বা অমস্ং উইন কনবগী পাম্বেনা মপাম্নাইদ্রবা লল ভমস্ং ইকাইখুম্নবা ভপুম্বগী মপু ওইখি। মাহাক্না মাগী চাওখৎপগী মরমদা হংবদা খুমখি। "মুঙাই-য়াইফবদি নিংবগী মখা পোনবনি। শেল তানবগী লম্বীদি কৈথেল কানবা লম্বীগুম্না অরাইবনি; মতম অমস্ং নানবু অরেম্বদা মাংহন্দ্রগা লোইরে।" "ঈশ্বরনা ঐখোইদা অস্থুনা শাংলবা খুৎ পীনবিরম্মি, মাত্থনা তিংথোক্লবদি সোরারেন ফাওবা লাম্বা ফংভি।" ঐখোইনা হাঙনিংভি সোবাবেনমক লাম্বা ফংদ্রবস্ খুৎমখৈতদি তিংথোকপনা চুম্মি।

নিংবা কাঙগনু, হন্না হন্না হোৎনৌ।

উইন কনবগী অর্থ করিনো?— করিগুম্বা থবক অমা হন্না হন্না ভমদ্রবস্ নিংবা কাঙদনা হোৎনবা। তেংবানবদা চাউখৎপগী লম্বী অসি য়েক্লভিংখংনা থল্লি; মফম মফম খুদিংদা খুদী থীফম ভাক্তা ভাই। মরম অত্থনা নোম্বগা উইন কনবগা লোঙনদবা য়াদে, অহানবদা খুদোংথীবা হেক নংবগা নিংবা থাদোক্লবদি থবক্কী মহে ফংবা লুই। অহানবা খুদোংথীবগা কিত্থনা হুন্দ্রবদি চাওখৎপগী লম্বথুং য়োবা ভম্মোই। উইন কন্দবা হাইবদি পুক্নিং লেপ্তবা তাইনবা লৈত্তবা হাঙবা

য়াই। মরমদি পুক্লিংনা লেপত্রবদা, অইনবনা লৈত্রবদা উইন কনবসু লৈবা ওমদে। মীওইবা পুন্নমক্কীমক মাহাক মাহাক্কী অপাম্বা অমমম লৈ; মাহাক্না মাহুক্কীদমক চংলি, কোঈরি, নোকই, কপই। ইনাকখুনবা লাইরবা নত্রগা সিংহাসন্দা ফম্মিবা নিংথৌ, ভিক্ষাগী ঝুলি য়াম্দুনা চংলিবা চাকনিবা পুন্নমক অসিংগীমক মাখোই মাখোইগী অপাম্বা অমমমদি ইরে লৈ। বুদ্ধ, খৃষ্ট, চৈতন্য, ভাগ্যচন্দ্র অসিনচিংবা অচৌবশিংগী মপুনশিদা মাহাক মাহাক্কী অকক্নবা অপাম্বা অমগীদমক অতৎপা লৈতনা হোৎনখিবা অহুগুম্না মীনা মাহাকপু খংবিত্রবা, মীনি হাঈদুনবু শীংথাবিত্রবা মী পুন্নমক্কীসু মাখোই মাখোইগী অপাম্বা অমমমলৈবা ওাক্তনি; মাহাক্না মাহু ফংননবগীদমক্তা নোম্মিবনি। অসুন্না মাহাক্কী অপাম্বা নাঈদবা মী তেংবানবদা লৈতে। লৈরমলবসু মাগী মতৌ অহু থোইনা পামনরুফম লৈতে হাঈনা নিংভি। মাহু ফংনবা হোৎনবা অসি জীবগী ধর্ম্মনি। মাহু ফংনবা হোৎনবদা অহানবা খুদিথীবা হেক নংবগা হোৎনবা থাদোক্লবদি মাহু পুকচেন লেপ্পবা নত্রগা উইন কন্দবা হাঈবা য়াই। তৌইগুম্বসুং মমাংদনা হাঈগ্রে উইনকনবগা লোইনত্রবদি নোম্বা-ওাক্তনসু থবক্কী মহৈ ফংবা লুই, পুনশিদা অপাম্বা অহু য়োবা ওমদে। হৌজিক্তি হাঈরো উইনকনবা কদাইবু কৌবগে?

নংনা তেংবানবগী চাওখৎপগী লম্বীদা চংলকপদা নমাংদা করিগুম্বা য়ৈখাইবগী পন অমা হেক ঈবগা কিতুনা হল্লবদি ঐখোইনা নংবু থাগৎপা ওম্মোই; নংবু পাংদবনি হাঈতুনা থৌওইরোইদবতনি। তৌইগুম্বসুং নংনা মাহু কিদতুনা লাম্তোক্লবা হোৎনরবদি নংবু উইনকনবনি হাঈতুনা ঐখোইনা থাগৎনিংই। নংনা থবক্কী চীংজাওদা কাখৎপদা অহানবা খুদিহেক থীবগা হল্লবদি ঐখোইনা মাহু অশিংবনি হাঈনিংদে; মাহুদি নংগী অয়ম্বা উৎপতনি। তৌইগুম্বসুং নংনা মাহু থৌশাদতুনা কাখৎলবদি নাহাক উইনকনবা অথোবা মীনি। চীংখোংদা লেপ্পনা লৈরগা করম্না চীংদোন য়োগনি? নংনা থবক্কী ঈপাক্তা চোংথরগা অহানবা ঈশিং য়াউম অমতং হেক থকপদা চোংখৎলবদি মাহু উইনকববা কৌদে: নংগী হোৎনবা রাৎপনি। নংনা মাহু থৌশাদতুনা অমুক্তা নখোঙ-নখুৎ তিংথোক্লনা হোৎনরবদি মাহু উইন কনবনি। অরাবা নংদনদি সুওাইবা ফংদে। অসুম্না হম্না হম্না মাইখিবা, খুদোংথীবা নংলবসু হোৎনরবদি থবক্কী মহৈ চাই। খোং চোংলগা চিল চোংলি। তেংবানবদা মহৈ হৈরে, সুংওাইরে, য়াইফরে হাঈরিবা অমদি পৃথিবী অপুম্বদা মম্মিং চংলিবা মী পুন্নমক অসি মাহাক মাহাক্কী নোম্বা কনবগী মহৈনিদি হাঈরগা মাখোইনা মাহাক মাহাক্কী খুভম অহু য়োনবা হোৎনবদা কয়া কয়া অরাবা খুদোংথিবা নংখিবা হাঈবা অহু মাখোইগী জীবনচরিত পারবদি থংবা ওমগনি। রাদনা সুওাইবা লৈতে।

তেংবানবা অসিদা থবক ওম্বা মতিক মগুণ পুন্নমক্তা লোঈননা পোক্লকপদি অতাংবনি। ফ্রাঙ্কলিনগী বা অহু অমুক্তা নিংশিংউ।'— নংগী থবক ওম্বা বুদ্ধি-লৌশিং নত্রগা নতিক-নগুণ লৈত্রবদি

লোমন্নুনা মাহু চাওখৎনবা মাক্নগদবনি। পৃথিবী অসিদা হৈদনা পোক্নকপা কনাসু যাওদে। অয়াম্বুনা লাইবা তম্বনি, অমুক য়েংঙরে। ঙমক্রবদি করম তৌগনি হাইদনা থবক্না অহানবা হেক শোইবদা নিংবা থাদোকই। তৌইঙুম্বসুং মাদ চুম্নে। মাখোইনা হোৎনদনা থবক পাংবা লৈতে, অতুম্বা নোংশাগী ময়াদা শক্তিনা চেনশিল্লকপা লৈতে; হাইবা খংলবদি থবক অহানবা হেক শোইবদা অমুক্তা হন্না লাকনরম্নগদবনি। মাখোইনা গ্রীস লৈবাকী মমিং চৎলবা ডিমস্থিনিসগুম্বা বক্তামকসু নহা ওইন্রিঙৈদা মরৈ লোমলম্মি। হিরম অমতা পুং অনিগুনা মপুক্তা থম্বা ঙম্মদে, পুং মতুম উমদনা নারক্তা লাউনা ভাংবা হোৎনজিনবমখৈ মী মভাদা তানা ব্রা। ভাংবা ঙম্মদে হাইবা খংলমলবদি হন্না হন্না ঙমক্রবসু মাখোইনা নিংবা কাঈরোইদবনি। মাখোইনা স্কটলণ্ডগী মতিকমগুণ চাউরবা নিংথৌ রবার্ট ব্রুসমক্সু থবক্কী লমদা অচম্বা মীগী মতৌ তম্বা তাখি, তরুক মাইথীরবদা হন্দবনা মমৈদা কন্থোরবা ফিরিঙ্গী লাম্নীবু ঙমখি হায়বা অসি তারম্নবদি হোৎনরবদা থবক্তা ঙমদবা লৈতে হাইবা খংলমপদনি। মাখোইনা থবক হাইবা অসি নিংবগা হেক লোইবা য়াদে, রোম হাইবা অসি নোংমদা শেম্বা নত্তে, মতম কুইনা নিংবা কাঈদনা হোৎনরগা থবক্কী নিংবা থুংবা মহৈ ফংবয়াই, ভাগ্যচন্দ্রনা নিংবা থাদোক্নুনা তেখাওদা তাদমক লৈথোকলবদি মণিপুরগী ইতিহাস অসি তোঙানবা মওং অমা ওইথিরনগদবনি হাইবা খংলবদি মাখোইগী থবক্তা লোইদনা তোক্কপা তৌরোইদবনি।

---

৫ মীগী মপান তাংবা তমগনু

ঐখোইগী লৈবাক অসিদা থাইনদগী "মরাইবক্তা তম্বা" হাইবা বাহৈ অমা চৎনরক্নি। অহল্লমম লুনা তৌনরক্নবা বাহৈনি; ঐখোইনা মাসিবু ইকাই খুম্নদবা ঙমদে। লমথুংনাইদ্রবা তেংবানবা অসিদা মরম তরা থোক্না চাংয়েংলুরগা নিংবা হেক খুংঙক্নবদা অনিংবনি হাইজিনা মী অমনা মখাগী মী অমদা পাওতাক পী "মরাইবকনবু তমক্রবদি নোম্নঙাকনসু চৎনদে।" অচুম্বা বাহৈনি; মরম চাম্রবদি নোম্নঙাকনসু পুক্নিংনা নিংবা থুংনা মহৈ চাবা ঙমদে। মরাইবকনা থীরবদি চপমান্নুনা নোমজনসু থবক্কী মহৈ খেমৈ। মাসি ফনা চুমহ্ননসু হৌজিক্তি অয়ম্বা অমসুং অতনরগী থবকনি হাইজিনা মাসিদা তাথীরবা ভাংনরক্নে। মাসি ভাংনরিবা লমহেনবা নহারোল অসিগী মরাসু ঐখোইনা খৌশাদবা ঙমদে। অহানবদা অহল্লমনগী পাউতাক অহু থাজরম্মী, ইকাইখুম্নরম্মী, লুনা তৌনরম্মী, নহারোলগী মরা অহু খোওইনা তৌরমদে, নাচুংলমদে। তৌইঙুম্বসুং, সংসার অসিদা থবক্কী লমদা অসুম চংশিল্লরগা উক্তুনা অমসুং তারুনা নহারোলশীরবা অসিগী অওইবা খংলে। অচুম্বা অমা লৈ, "তুমদনা লৈবা নোংশাগী ময়াদা শক্তিনা থক

ফংলকওই"। মোংশানা শক্তি চাগে হাঙ্গৈরবদি শক্তিগী অয়াংবা মখোং অদ্ ফংনবা তান্দবা য়াদে। অওইবকক তেংবানবা অসিদা চাওখৎকে, ফুঙাইগে, য়াইফগে হায়রবদি মীঙাক্তা ঙাইহনা লৈবস্থ য়াদে। লাইবক্তা অথবা তম্বিবদি হোৎনবা কনবা মীতদনি। "মশাগী মতেং পাংজবা মী অদুবুদি ঈশ্বরনস্থ মতেং পাংবি।" চাংজো নাইত্রবা তেংবানবগী ঈপাক্তা অশিবগী নাওং ওইনা খোংখুৎ তিংথোকুনা কৌনী শীংনাং তাউনগুম্না তাওখবা অমদি মতুংদা লাইবক্তা তম্না মকম অমদা খেংঙবদা য়া অমনি।

মীগী মপান্থাংবা হাঙ্গৈবা অসি তেংবানবগী হৌনবীস্থ নত্তে। মাসি মপুগী নিয়ম কাঙ্গৈবা মচৎনি। ঈশ্বরনা মীওইবদা হকচাং অমস্থং পুক্লিংগী পাঙ্গল পীবিরমহুনা চাওখৎপা অপুম্বগী মপু ওইহল্লি। মাহু শীজিন্নবা বাংতুনা মাংহল্লবদি শেম্বীবা নত্তে। নংগী মখোং পাল্লি, হৈরবদি মখোং অহুনা লাইরৈবাক য়োনা কাবা ঙমগনি; নংগী মখুৎ পাল্লি, হৈরবদি নখুৎ অহুনা গুরুগী ফানখোং ফাওবা লাম্বা ফংবা য়াই। নংগী অথৌবা নমিৎ পাল্লি; নংনা হৈজরবদি য়েংহুনা ফুঙাইবা কয়া ফংবা য়াই, অমস্থং য়েংহুনা চাওখৎপা কয়াস্থ ফংবা য়াই! নংগী অশিংবা নাকোং অহুবু নংনা য়োৎশিংঙোং থিংজিন্দুনা পংহল্লবদি তেংবানবদা ফুঙাইরু য়াইফরু হাঙ্গৈহুনা থাবিরক্লিবা মপুগী হৌনবী কাঙ্গৈবা নিয়ম নত্তনা করি ওইফম লৈবগে? য়েংউ হৌজিক্তা পোকপা যম্নাউনা মতৌ করন্না চৎপা হৈনবা লাক্লরিবা, কয়া থুনা লেপ্পনা মমাগী মমাংদা হরাওনা চোংহুনা জগোই শারিবা! অঙাংমচানা চৎপা তম্বা হোৎনবা অসি য়েংউ, মাহাক্তা মাদু তম্বদা কয়া তুরিবা! মাদু তম্বা মাহাকনা চৎপা হৈরকই। মমানা তম্বিবা "হৈনা হৈনা" হাঙ্গৈবা অদুনদি মাহাকনা চৎপা তম্বগী মরমদা থোইনা কান্নবা থংদে। মরম অদুনা হাঙ্গৈরিবা অসিনি তেংবানবদা ফুঙাই-য়াইফবা খুভম ফংগে হাঙ্গৈরবদি নপাঙ্গল শীজিন্নৌ; হকচাংগী ইন্দ্রি পুম্নমক মাগী মাগী হৌনবী মতুংইন্না শীজিন্নৌ। বাদনা ফুঙাইবা লৈতে। ঈরোইবা হৈগে হাঙ্গৈরবদি কিগন্থ হান্না ঈশিংদা চোংথৌ; মীনা তাকপদি নংগী লৌশিং ওইনবতনি। নশানা লাকনৌ, হৈগনি।

অঙাং ওইরিবৈঙদগীনা মীগী মপান্থাংবা থাদোকপা তম্ম্। মাসি লাইবক ফনবা ফুঙাই-য়াইফনবগী থোংনি। মীগী মপান থাংবনদি মশাগী চাওখৎপা ফংবা ঙমদে। মশাগী মপাঙ্গল শীজিন্নত্রবদি মশাগী মপাঙ্গল চাওথোকপা ঙমদে। মীগী মপান্দগী চাওখৎপদি লুপা য়াওদবা শেঙ্গাওগুম্বনি। থবক্তী লমদা মাহুনা থোইনা কান্নরদে লক্ষ্মী অমস্থং সরস্বতীনা মীগী মপান থাংবা হৈত্রবা নোম্বা কনবা মীদা কাইদোংফম ওই। নোমহুনা খুৎ অমস্থং রাখন খম্নবা পুক্লিং লৈরিবা মীশিংনা তন্দুনা ফমহুনা লৈবা অমস্থং মশানা তানবা ঙম্বা শেৎনচানবগী য়োনা মাগী মমাই য়েংহুনা লৈবদি ফনা ইকাইবগী মশকনি। মীগী মপান্থাংবদি মশাগী ইকাইখুম্নবা লৈত্রবা অতোনবা মীগী থবকনি। মাহাকনা অমরোমদা ফনা চাওখৎপা লৈহুনস্থ মাহাক্তী মরাইবক্তা মবুঙো অদুগী নমিং ইবদি মুথৎপা য়ারোই। মাহাক্তি মীগী মনিংমথা তম্বা হাঙ্গৈবা অদু কদাইবু কৌবগে

ছাঙ্‌বা খংবা ওমদে। মাহাক্তি মমিং পান্দুনস্তু মীগী মমিংনা য়েংনিংতি, মমা পান্দুনস্তু মীগী নাকোংদা তাবা পাম্মি।' মশানা মশাবু থাজত্রবদা করম্না চাওখংপা ওমগনি? পৃথিবী অসিদা অংটোবা মমিংচংপা মী পুন্নমক্কী ৱারী পারবদি মাসি মুম্না খংবা ওমগনি। সেকেণ্ডরনা মাগী মরুপশিংদা ছাঙ্‌খিবা অমা লৈ "ঐনা ইপাগী বিষয় পুন্নমক অসি ফংলবস্তু ইশানবু তোংনত্রবদি করি কাম্নবা লৈরগে"। মাসি সেকেণ্ডরগী মস্তিক চাবা ৱাহৈনি। মাদগী মক্কা পাক্রবা পৃথিবী অসিদা হৌজিক ফাউবা মমিং মুক্তনা লৈরিবা অসিনি।

তৌইগুম্বস্তুং মাসি ছাঙ্ ছাঙ্‌হুনস্তু মীগী মপান তাংদবা যাদবস্তু লৈ; মাহুদি মরম অমরোমদনি। মশাগী মপাঙ্গল মশাগী ৱাখনগী চাংস্তু খংদবা য়াদে। অডাংনা মমাগী মথুং পাইদনা চংপা তম্মি। ছাত্রনা ওঝাগী মনাক্তা অফবা পাওতাক লৌই। ধর্ম্মচেনবা মীনা মাগী গুরুগী ধর্ম্মগী মত্ম লৌই। মরম অদনা চাওখংপা পাম্বা অডাংশিংনা মমা মপা অমস্তুং মরুপমপাংগী অফবা পাওতাক থৌশাদবা চুমদে। মাদগী মতুং ইন্না হোংনদবা লাম্নি হাঙ্‌বতনি।

অফবা সঙ্গ তিল্লু।

লাইরিক্তা হাইবা অমা লৈ "সংসারগী মশক ওইববা হুপাম্বী অসিদা অমৃতগা মান্নবা মহৈ অনিথক যাম্লি।—মুডাইবা ৱারেংপাবা, অফবা মীগা ৱারীশাবা"। মাসি চুম্নগী বাহৈ নংও। মাদগী মরম নিংথিনা খংলবা মী পুন্নমক্কীদি য়ান্না চুম্নবা ৱাহৈনি। মরমদি নাইতোম লৈবা অসি জীবশিংগী মরমদা মুডাইবা থবক নত্তে; মাখোইগী হৌনবিস্তু নত্তে। শা, উচেক, ঙা, কৌজেং পুন্নমক শন্নু শন্নু চংপা উই; মীওইবস্তু জীবনি; মাগী মরুপ মপাংগা তিন্নহনা চানি থকমিন্নবা হরাওকুম্মে তৌবা পাম্মি; বিষয়া থাদোক্লনা লাই নিংগ্রবা মীশিং অতুগীদি ৱা অমনি অশোংবা নারক মী তাত্রবা লমদা মাখোইগী মুডাইফম ওইবস্তু য়াই। মাখোইগী ৱাদি ঐখোই থেন্নবা লৌশিংনা লাম্বা ফংবা পোং নত্তে; মরমদি মুংডাইবা নভনা মাখোইগী অৱাবা হাঙ্ লৈত্তে। তৌইগুম্বস্তুং ঐখোই সংসারদা লৈম্লিবা মীদি নাইতোম লৈবা পামদে; লৈবস্তু য়াদ তিন্ননা লৈমিন্নদনা অমগা অমগা, ৱারী-ৱাতাই শানৈ অমনা অমগী মতৌ তমনৈ; অস্তুন্না অম অমগী মতৌ তম্নদনা লৌশিং পোকনৈ অমস্তুং মাগী মাগী চংকদবা লীচং অদ শেমগৎনৈ। ম কুইন মী অমগা তোংনদনা লৈরবদি ঐখোইনা মী অদগী শাক্তং, লীচং, লমচংনচিংবা মা

তমদবা ঙমদে। অমুক মীগী মতৌতম্বা হাঙবা অসিসু মীওইবগী মহৌশাগী ধর্ম অমনি। মীনা মাসি থাদোকপা ঙমদে থাদোকপসু চুমদে। মাসিনা মীওইবগী 'তম্বা' হাঙবা অমুনি; মাসিনা মীওইবগী চাওখৎপগী লম্বীনি।

থাইনগী লাইরিক্তা হায়বা অমসু লৈ;—থাইনগী মুনি ঋষিশিংগী আশ্রমদা হিংসা তৌবা জীবশিংসু মাগী মাগী স্বভাব থাদোক্লনা মুঙাইনা মতম লেপ্লি। কৈগা শজিগা মকোন অমতদা কুনমিন্নৈ; হৌদোংগা উচিগা শান্নমিন্নৈ অসিনচিংবা। হৌজিক্কী মতম অসিদদি অয়াম্বনা মাসি ওইথোক্কবনি, বারীনি নত্রগা লাইরিকলেংবা কবিশিং অতুগী বাথন্দগী পোকপা বাহৈগী লৈতেংনি হাঙনা নিংবা য়াই। তৌইগুম্বসুং মাসি চুপ্পু চুমলবসু নত্রগা লানবু লাল্লবসু মাসিদা থোইদোকনা চুমলবা খংনফম অমা লৈরি। অমনা অমগী মতৌতম্বা হাঙবা অসি জীবশিংগী লূ তোংদা পকপ্রবা মহৌশাগী মচৎনি, মাসি জীবনা থাদোকপা ঙমদে। অশেংবা অমসুং পুকচেল ফজবা মীগা তগ্গনা তোৎনবগী ওইথোক্কবা পাঙল অতু ঐথোইনা মাসিদগী খংবা ঙম্মি।

অসুম্না অফবা সঙ্গ তিনবদগী ফত্তবা কয়ানা মীকোক থোংবা ঙমখিবা, অফবা কযানা মীরম লাইরম অনিমক মা'ত্তুনা লৈখা তাখিবা অসি লাইরিক্ত। অমসুং পুনশিগী নিতিগী থৌথোক খুদিংদা উবা ফংঙি। কবি শাগৈগী গুরু বাল্মীকি হাঙবা অতু অহানবদা করি ওইরম্বগে? মাহাক্কী মমিংবু অহানবদা বত্নাকর দস্যু হাঙনা খংনরম্মি; হুবানবা অমসুং মী হাত্তনদা পাল্লম্মি। নোংমা পুকচেন শেংলবা সাধ খবগা তোৎনরুবদগী লৌশিং পোক্লনা মমৈদা অফবা সঙ্গ তিনখি অমসুং লাইরিক-লাইশু পাত্তুনা মমৈদা পৃথিবী অপুম্বনা ঈরাৎনববা কবিগী খুভম ফংবা ঙমখি; ফজ্রব জগাই মাধাই মচিনমনাওনা গৌরনিত্যাইগা তিন্নকবদগী হরিনাম ফংত্তুনা লানখি। অসিনচিংবা খুদম কযাসু লৈরি। অওইবমক অফবা সঙ্গগা পান্দমনিঙাই তেংবানবদা অমা লৈতে তীলনা লৈগা তিন্নজবনা শ্রীগোবিন্দগী কোক্তা থৌগন তৌবা ঙম্মি, উগা মরূপ ওইবনা অরুপ্পা য়োৎপী ঈশিংদা ইবাঈ লাঙনা তাউই হাঙবা অসি অচুম্বমকনি।

"অফবা সঙ্গ তিল্লু" হাঙবা অসিগা মাম্না কান্নবা পাউতাক অমা লৈত্রে হাঙবা অসি অচুম্বমকনি। অতৈ পুন্নমক অসি মাঙো'ন্দা তিন্নবা ঙাক্কনি। সঙ্গনবু ফজ্রবদি অফবা পাউতাক পুন্নমক অসি মী অত্তুদা চংবা লৈতে। তিন্নবা সঙ্গনা ফজ্রবদি মহৈ হৈত্তুনসু মহৈ অত্তুনা লৈবাক্কী মাংনবা ওই, মপাঙ্গল কনত্তুনসু মাত্তুনা লৈবাক মরাং হৌনবা ওই; শাগৈ অচৌবদা পোক্লনা মশক-মতৌ ফজত্তুনসু মাত্তু চিংথনবা ওই। পুন্নমক অসি, অফবা সঙ্গনা মকনি। মাহাক্কী লৌশিংগী অবুংবা মঙাল উবদা অহানবদা মাত্তুনা নোংমা শোইদনা লৈবাক্কী অমমবা কোক্লগনি হাঙনা নিংনবুম্বা অঙাং কয়ানা ফত্তবা সঙ্গ তিল্লুবদগী মাংখিবা, মাহাক্কী থৌজাল, মীবু য়ুংশিহৈবা

পুকচেল উবদা মাহাক্না নোংমা শোঈদনা মনাকুংনবা থোংনাং পাম্বীগুমনা জীবা কয়াগী চংনবকম ওইরগনি হাঙনা নিংনরম্বা কয়ানা মীহাৎপা ওম্বা হুংশিহৈত্রবা মী ওইখিবা অদুগা মাহাক্কী তৌবাওম্বা মতিক মগুণ উবদা নোংমা মী পুন্নমক্কী থমোই হরাওবনা মকা ফজত্রবা নত্রগা মাহাক্না হিংদনা লৈরবদি নোংমা শোঈদনা মী পুন্নমক্কী ঈরাৎনফম ওইররগনি হাঙনা নিংনরম্বা, মাহাক্কী নোংথাংগী মশক ওইরবা মিংথোং অমতনা মিং চামবু লাকপা ওম্বা, মাহাক্কী লৈতোল অমতনা মী চামগী থমোইগী ঈচেন্দা নিতিগী অনৌ অনৌবা ঈথক কাহনবা ওম্বা, মী কয়ানা মরাইবক থীবদগী ফত্তবা সঙ্গদা হেক তাকখদা কামত্রবা কাখথাং ওইহুনা মাংখিবগী থুদম অসি অতাংবা নত্তে।/ মাসি থমোইগী লৈরাংদা তোংবা ফত্রবা তৌলগী মশকনি। মাহাক্না থমোইগী ফজবা নিংথিবা ম্রাথন পুন্নমক মথং মথং চিকথহনা মী অহুবু লৈখা তাহল্লি। তৌইগুম্বস্থং ঐখোইনা ম্রাবদি— মীওইবগী থোৗরবা লৌশিং অসিনা, পাপকী থবকনি হাঙনা নিংবা অহু উরগা অহানবদা তুক্কচৈ, পাপকী ফত্রবা অথীবা শকফম উরগা অহানবদা থংহুনা থাপনা হুন্দোকই। অহুগা ফত্তবা সঙ্গনা পাপকী লবীদা মথং মথং চিংশিনবা, মাহৌশাগী ঐগী লৈজরিবা অফবা ম্রাথন নিংথিবা পুকচেল পুন্নমক মথং মথং উনা থংনা হৃত্তনা পুখিবা উরগদি থমোইদা করি অমতা অরাব। পোক্কে; অমস্থং মাহু উরগা চেকশিন্না মাহু ককথৎনবা হোৎনবা ওমদে। মাদুগা লোঈনদনা হরাওনা নোকই, চোংডি, পাম্বোম তিংথোক্কুনা জগোই শাই। তৌইগুম্বস্থং মাদু য়োৗরক্রবদি ঐখোইনা থংডি মী অদু লৈখা তাগদবা লাপত্রে। মতম অদুদা ঐখোইনা পাউতাক পীনিংই অহল্লমন্না হাঙবা ইল্লু; মাখোইনা তাকপা মতুং ইল্লু" ফত্তবা সঙ্গ হাঙবা অসি মাংননবগী মরুনি।

অহল্লমন্না হাঙবা ইল্লু।

অহল্লমমনগী অমাংবনা চফু মেল্লি হাঙবা অসি হৌজিক্তি থোইনা মমল নাইবা ম্রা নত্রে। হৌজিক্তি কাওদবগী মঙাংনবদা তারক্লে। মতম অমদা মাসি অচুম্বনি হাঙনা ম্রানরম্মি, লুনা তৌনরমই। মরম অহুনা থবক্তা অশোঙবা লৈরমদে। তৌইগুম্বস্থং হৌজিক্কী অঙাংশি অসিদি অয়াম্বদি মপাবু হনবা ঙাক্তা ঙাঙরে। মপাগী ম্রাহৈমক অপংবগী ম্রানি হাঙহুনা লৌনিংত্রবা অসিদা মপুনা মপাদা হাঙরম্বা ম্রা অসিদি মাখোইনা অমুক করি ওইমা উরগানি? মরম অহুনা অকবানি হাঙনা নিংহুমা থবক পাঙরুরগা মমৈদা নিংবা কাঙবা অসি ঐখোইনা তত্তনা ঊবা ফংতি তৌইগুম্বস্থং ঐখোইনা থংবনা চুম্মি— চুমিং থা হান্না উবা মীগী লৌশিংনা ঐখোইগী লৌশিংগী হেনফম থোকই। মরম অহুনা ঐখোইগী হিন্দু শাস্ত্র পুন্নমক্তা অহল্লমনবু লাইমকনি হাঙরি। অহুনা

মাখোইগী য়াথংদি "দেববাণী" লাইগী য়াথংমকনি হাঙ্গনা নিংবনা চুম্মি। অদুদসু নত্তে ইংরেজী বাইবেলদসু হাঙ্গরি নংগী নপা নমা সুনা তৌ—অদু ওইরবদি মীনসু য়াগনি লাইনসু য়াগনি। মাদুদা নংগী অতোংবা নত্তনা অমাংবা লৈরোই। মীনা হাঙ্গনবা লৈ—ফত্তবা মমা মপাদি তাংই, অহোংবদি ফত্তবা মচাদনি। নংগী ফনবতা শেম্বিরিবা, নংগী ফনবতা তাকপিরিবা অহল্লমনগী য়াথং মতুংইন্না চংশিংদবদি অমরোম্নদসু পাপকী মশকনি।

মমা মপা অহল্লমম্না হাঙ্গবা ইন্দবগী মরমবু মাখোইবু উশিত্তবা অমসুং মাখোইবু সুংশিদবা নত্রগা মাখোইদা ভক্তি লৈতবননি হাঙ্গবসু লাল্লোই। মপাবু হনবা মচা অয়াম্বনা মপা মমানা ঙাংবা রা অতুদি কাকনা খোংবদগী হেন্দোকনা তানিংবা লৈতে। হেন্না শিংলবা যুগতা পোক্লবা হেন্না ইহৈহৈরবা ঐখোইনা য়োপাক খিংলিঙৈগী কান্নদবা রা অতু তারুবগী কান্নবা করি লৈবগে হাঙ্গবা অসি মতম অসিগী চৎনরবা রাখন ওইরে। তৌইগুম্বসুং অহল্লমম্না হাঙ্গবা ইনবগী কান্নবদি মাখোইনা অহল ওইবা ঙাইবা তাই। মাখোইনা করিগী অহল্লমম্না হাঙ্গবা ইনগনি হাঙ্গরবদি পাউখুম য়াম্মি।—তেন্না হাঙ্গরবদা মাতুদা অমাংবা লৈতে। মরমদি পাউতাক্তগী হেন্না ফবা মচাদি তেংবানবদা লৈতে। তাকপদগী হেন্না ফনা চংকদবা লৈরবদি তাক্লিবা অত তারুবগী করি থোইনা কান্নবা লৈবগে হাঙ্গবা অতু ঙক্ষম থোক্তবনিনা কান্নবা রা নত্তে। অহল্লমম্না হাঙ্গবা ইনগদবগী মরম য়াম্না লৈ। নংনা মাখোইদগী মতমগী অনৌবা লৌশিং ফনা হেন্না ফংহনসু পুনশিগী চাওখৎনবগী পান্থৈগী পোথিদি মাখোইনা নঙোন্দগী য়াম্না হেন্না ফংলমলবনি। নংনা মাতু ফংগদবা নশানা অহন শাগদবা মতাং অমা ঙাইহনা লৈরিবনি। অহল্লমম্না হাঙ্গবা ইনগদবগী মরম অমনা থবক্তী মথং মনাও নাইবা ঙাক্লনা মাতু পাংথোকপা ঙমনবগী দমকনি। থবক্তী হৌনবী অমা নত্রগা করিগুম্বা থৌঙ্গনশিন অমগী অকিবা নাইত্রবদি থবক্তী মথংমনাও নাইবা ঙাকপা ঙমদে; অতু ওইরবদি থবকসু নিংথিনা পাংবা ঙমদে।

মমা মপাগী মফমদা ভক্তি উৎপা অমসুং মাখোইনা হাঙ্গবা ইনবা হাঙ্গবা অসি মীওইবগী অথোইবা ধর্ম্মনি; পৃথিবীদা ওইথোক্তবা থবক পাংথোক্লনা অমাং অতা লৈত্রবা মিংচৎ ফংখ্রিবা অচৌবা মী পুন্নমক অসি মমা মপাবু লাঙ্গবা উদে। মমিং চৎলবা ওয়াশিংটন্না মমা মপাগী য়াথংবু লাইগী য়াথংমকনি হাঙ্গনা য়াখি। অসুন্না অহল্লমন্দা ভক্তি লৈরবা অমসুং মাখোইগী য়াথংবু লৈপাক তাহন্ত্রবা মচা অতুগীদমক সুংশিরবী মমানা নত্রগা মপানা ঈশ্বরদা নিজবা মঙ্গল অতুদি শোঙ্গদনা ঈশ্বরনসু থৌজানবিগনি হাঙ্গনা নিংবদা করি লানফম লৈবগে? ওয়াশিংটন্না থাজখি অহল্লমনগী য়াথং ঙাকপনা তেংবানবগী মীরম লাইরম অনিমক্তী চাওখৎনবগী অথোইবা লম্বীনি।

মতম মাংহনগনু।

মতমগী মরমদা পাউতাক পীগে হাঙ্গৈরবদি ঐখোইনা হাঙ্গজরি মৈতৈদা পীয়ু। মতমগী কান্নবা খংদবনা কন্নিগুম্বা দোষ লৈরবদি ঐখোই মৈতৈগীদি লোখৎফম লৈতে। মতম মাংহন্দবা কদাইব্রু কৌবগে হাঙ্গৈরবদি পাউথুম য়াম্মি। লেংলিপান্নিবা জীবনা মতমগী কন্নি অমুক শীজিন্নফম ৱাংপা লৈবগে? ঐনা নোকলি, চংলি, কপ্পি, মরূপমপাং তিন্নহুনা ৱারীপরাই তৌরি, লৈকাই কোইহুনা য়ুমলোম্নবগী থবক থুগাঙ্গৈরি; মতমনা কদাইদা অবেম্বদা চংখিগনি? মাসিসু পাউথুম অমনি; তৌইগুম্বস্সুং কাম্নদবা ওন্নতৈনবা পাউথুমনি। অহিং হৌখ্রে, মুংথিল চংলে, মুংথিল লেপ্লে অমুক অনৌবা অহিং লাকলে। নোংমা-নোংমা চংখিদনা থা ফাবে, চহি লেপ্লে মতমনা চংখিবনি। ঐগী কন্নি দোষ লৈবগে? মাসিদি নোকনসি হাঙ্গদনা পল্লুবা ৱাতানি; ফাগিগী ৱাহৈনি মাহাকনা থবক চন্নরগদবা ৱা থোক্কে। অদুগা পাউথুম অমনা,—থবক্তা তৌবগসু মতমগী শীজিন্নবা হাঙ্গৈবা য়াদে। অদুদা হকচাংগী, পুকনিংগী, থবাইগী মীবমলেন, লাইরমলেন অনিমক্তা চাওখৎনবা লাকনরিবা মীনা মতমগী শীজিন্নবা খংদে হাঙ্গৈরবসু লানবা তাগনি। ঐখোইনা হাঙ্গৈরিবদি থবক্কী শিংথোং থোক্তবা হাঙ্গৈবা অহুনি। মুমিংনা থেংজিল্লবলবা, লৈবাক অপুম্বা চাব-থবপগী থবক লোইহনা মুংথিলগী নৌনা শিন্তানরনা ফাওবা নংনা অয়ুক্কী থবক থাদ্রবদি মাহু অমরোম্নদা ফনা কান্নবা লৈহনসু অফবা নত্তে। লাইনা থবক তৌ হাঙ্গহনা পীবিরমলবা মুংথিলগী মতম চুপ্পা নংনা তুমহনা, কোঙ্গহনা, ওন্নতৈনবা থবক তৌহনা লেপ্লগা অহিংদা মিশেং খাংহনা অহিংচুপ্পা লাইবিক তৌরবসু মতমগী মতিকচানা শীজিন্নবা থোক্কে। উক তারুহনা ঐখোইমা কন্নম্বা থবক করম্বা মতমদা তৌগদগে, করমনা মতম শীজিন্নগদগে হাঙ্গৈবসু মুন্না খংই, তৌইগুম্বস্সুং মাহু ঐখোইনা ঙাকপা ঙমদে। করিগুম্বা থবক্ক অমম্ন নম্রগম কুম্মৈ অমা পুং তরা তাবদা হৌগনি হাঙ্গৈরবদি ঐখোইনা (মৈতৈনা) খংনৈ।—থবক অদুগা কুম্মৈ অদু পুং ১২ তাবদা হৌগদবনি; মহাঙ্গৈবনি, মতমদি খংহোবা নত্তে হাঙ্গৈবা অসি ঐখোই পুন্নমক্কী ৱানি। মতমগী শীজিন্নবা অসি ইংরেজী জাতকী য়াম্না তমনিঙাই লৈ। ঐখোইনা থবক অদুদা কুম্মৈ অদুদা ইংরেজী জাতক্কী মী অমনা কাইন তৌরবদি উগনি পুং ১০ তাগদবা মিনিট ২ দং লৈরিঙৈদা থংঙবা য়েংঙবা লৈতনা থোঙ্গান্দা থেক থোকল্লুবদা শোঙ্গদনা ওকনগদবনি। মবম অসিমক্তনা ইংরেজী জাৎকী চাওখৎপনি; মাখোইনা পৃথিবী তম্মাই অমগী মপু ওইবদা কন্নি মিহৌরকম লৈবগে? মাসি নাইদদনা মমল নাইত্রব মতমবু অরেম্বদা মাংহনবনা ঐখোই শোখবা পুমনমক মথল নাইনা ফংলিবনি। মহৌশাগী হৌন্নবী মতুংইন্না অককনবা থবক অদু অককনবা মতমদা তৌবা ঙম্মবদি মতমগী মতিকচানা শীজিন্নব থোকই।

ঐখোইনা মতমগী থাঙ্গৈশেংবা মমল খংদবনা মমল নাইত্রবা মতমশু অরেম্বদা মাংহল্লি। অকুপ্পা লৈরিক মকুপ মকুপনা পাকচাওপ্রবা পৃথিবী অসি শেমগৎপগুমনা কুইত্রবা মিকুপ ময়াম্না তিম্নহুনা সুমিৎ, থা, চহি শাগৎপ্রিবনি। অসিগুম্বা চহি খরা তিম্নরগা ঐখোইগী পুনশি ওই। তৌইগুম্বসুং মতম অহুদি তুমিম্না খংহৌদনা চৎথিবা মরমনা ঐখোইনা মাদ্ অরেম্বদা লেনবদা থোইনা চেকশিল্লুবা তৌনিংদে। ইনাকখুনগে হাঙ্গৈরবদি ইমুংমনুংগী খরচ মতেক পাইনচিংবগী মরমদা থৌশাদবা য়াদে।- মরমদি মতেক পাই অদ্গুম্বা কয়ামরুমনা লুপা শাগৎপ্রিবনি। অদ্গুমদ্না পুনশি অসিদা চাওখংপা ফংগে হাঙ্গৈরবসু অকুপ্পা মিনিট অমতং য়ৌনা ফাদোকপা য়াদে। মরমদি মিনিট অদ্গুম্বা কয়ামরুমনা সুমিৎ, থা, চহি অমসুং ঐখোইগী পুনশি অসি মথং মথং শাগৎপ্রিবনি। লাইরিক লেংবা কবিশিংনা মতমগা তুরেনগী ঈচেনগা পান্দমনৈ।— চুম্মি, অনিমক পোত্থাবা লৈতনা চেল্লি, অনিমক কনাবুসু ঙাইবা তৌদে। তৌইগুম্বসুং সমক্রুরোমদা তক্তনা চেন্থখিবনা ময়েং তাপ্রবা তুরেনগী ঈশিংদি কুমগী নোংহৌরকপদা অমুক থল্লি। হৌপ্রবা মতমদি অমুক হুপ্তিনবা নাইত্রে। মরম অদ্না মতমবু অরেম্বদা মাংহনবা অসিদি চুমদে। অরেম্বদা চৎপ্রবদি তুংদা মাদ্গীদমক অবাভেংথানবদি শোঙ্গৈত্রবা পোংনি।

মীওইবা পুন্নমক মহৌশানা মতম অহুমদি ইফংফংঙি।— হৌপ্রবা মতম, হৌজিক লৈরিবা মতম, লাক্কদবা মতম। হৌপ্রবা মতমগীদমক ঐখোইগী থোইনা খল্লুফম লৈতে। মতমবু নিংথিনা শীজিন্নপ্রবদি মতমগী মহৈ হৌজিক্তা চারবা অসি শোঙ্গৈদবা পোংনি। হৈহৌত্রবসু হৌজিক্তা মাতুগীদমক থোইন রাকুবগী কান্নবা লৈতে; মাতু খংদ্না মতমবু মমাংগী মতৌগুম অরেম্বদা মাংহন্দনবা হোৎনবনা চুম্মি। অদ্গা মীওইবগী পুনশি অসিদদি লাক্কদৌরিবা মতমগীদি থোইদোকপা মমল নাইদে। মরম অদ্না লাক্কদবা মতমগী মরমদদি ঐখোইনা মহৌশানা ঈশ্বরদা ঈম্ভোকই। মীওইবা কনানসু হৌজিক ফাওবা অসিদা হুয়েং করি থোক্কদগে হাঙ্গৈবা অসি হাঙ্গৈবা ঙমনদ্রি। অদ্গা অমুক মীওইবগী পুনশি হাঙ্গৈবা অসিদি থমনা মথক্তা পকপা ঈশিংগুম্বনি। করম্বা মতমদা মাংগদগে হাঙ্গৈবগী করিসু অরেপ্পা লৈতে। মরম অদ্না অশিংবা মী পুন্নমক্তা মতম পুন্নমক্তগী হৌজিক লৈরিবা মতম অসিনা অথোইবনি হাঙ্গৈনৈ। অয়াম্বনা কোন্না মতৌগনি হাঙ্গৈদ্না থবক অয়াম্বা নম্নথহুনা থম্বা পাম্মি; তৌইগুম্বসুং মাখোইনা খংবনা চুম্মি— অতুং অদ্দা অবাবা আপদ বিপদ অমা লাক্কুনা থবক অদ্ অমুকসু নমথখিবা য়াই; নত্রগা হৌজিক্কী মতম অরেম্বদা চৎপ্রিবা অদ্গুমদ্না মতুংগী মতমসু চৎপা য়াই; অদ্গা মফম অয়াম্বদা অদ্মক্তা থোকপসু থোকই। অরেপ্পা নাইরবা অদ্বু থাদোক্কুনা অওইবা খংত্রিববু ঙাইদ্না লৈবদি অমরোমদা য়াম্না রাথল থেনবগী থবক্লি। অহুগা অতনবশিংনা মতম লৈতে হাঙ্গৈদ্না মহৌশানা রাকৎনৈ। তৌইগুম্বসুং থবক কনবা মীশিংনা শুগে হাঙ্গৈনা শূরবদি নোংমদা কম্নামথৈ শূবা ঙম্বগে হাঙ্গৈবা অদ্ য়েংলুরবদি মাখোইনা ঙক্কদবনি।

মরম অসি পুন্নমক অসি মুন্না খন্দুনা য়েংশুররবদি ঐখোইনা মতম মাংহন্দবনা কান্নবগী মরমদা থরদংস্থ থংবা য়াগনি। অককনবা থবক অফকনবা মতমদা তৌগনি। মীনা হাঙ্গনবা লৈ থবক শুবা মতমদা থবক শু শান্নবা মতমদা শান্নৌ; অদু ওইররদি শোইদনা নশা 'ফবা লৌশিং শিংবা' ইনাকখুনবা ওমগনি। অদুগা নোম্বা, চাবা, তুম্বনচিংবদা অমতস্থ মাগী মাগী মতম অমস্থং চাং কাঙ্গফদে; হিন্নম পুন্নমক্তা চাং নাইবা তম্মু।

চাংনাইবা তম্মু।

কান্নগদবা, চংগদবা অদুদগী হেন্দোক্লবদি চাং কাঙ্গবা থোকই। মহৌশাগী তৌরম্নিবা মতৌ পুন্নমক উরবদি চাং নাইবনা করি কান্নবগে হাঙ্গবা থংবা ওমগনি। সনাখোংনাংগী পিক্লবা মক্কদগী অচৌবা পাম্বী ওইরকপদা মতৌকরন্না মনা মশা মশামচা চোংলকপগে হাঙ্গবা অদু খাই পুন্নমক উরিবনি। অপিকপা অভাংদগী পাথংগী মপুং ফাবা অবস্থা য়োরকপদা কয়াদা চাং কাঙ্গদনা মাগী হকচাংগী কায়াৎ পুন্নমক মপুং ফারকইবা খোংগী খোংবীনা কোক্তগী হেন্না চাউরবদি চৎপদা রায়েং থোকওইদবনি। মাগী চাং কাঙ্গবা য়াদে। থুদোম্বীনা হকচাংদগী হেন্না চাউগ্রবস্থ থবক্তা য়ৈথাঙ্গবা থোকদবনি। চাং নাইদবা য়াদে। মশানা মউদগী হেন্না চাউরবদি পাম্বী য়ুংবদা জুগোং চারোইদবনি। মাগী চাং হেন্দোকপা ফত্তে, অসিনচিংবা। ইংরেজী পাউরো অমা লৈ— হেন্দোকপনা ফবা লৈতে। হেন্দোকল্লবদি শোইদনা ফত্তবা হমা লাক্লে। নোম্নকপা কৈ হাঙ্গরিবা অসি হেন্দোক্লবদি চিরোন্দা তারকই। থোজাম্না ধর্ম্ম অপুম্বগী মরুনি হাঙ্গবা অসি অচুম্বনি তৌইগুম্বস্থং হেন্দোক্লবদি অয়াম্বা পাংদবা থোকই। অচুম্বা অরেপ্পনা চাং হেন্দোকমনপ্রবস্থ সুংশিহৈত্তবা তারকই। চেকশিনমল্লবস্থ অরিকপনি ফাদোকমনপ্রবস্থ করা শাই। চানক্য শ্লোকতা হাঙ্গবা অমা লৈ।— 'অতিদর্পে হতা লঙ্কা অতি মানেচ কৌরবাঃ অতিদানে বলির্বদ্ধঃ'। মরম অসিনা হেন্দোকপা হাঙ্গবা অসি থাদোকদবনি। মাগী মাগী চাং অদু কাঙ্গদনা চংলবতদা মীওইবনা চাউখৎপা ওম্বনি।

থবক্তী চাং কাঙ্গবা অসি ঐখোই লাইরিক তম্ফমশংগী ছাত্রশিংদা হেন্দোকপা উই। মাখোইনা মতম অয়াম্বদা মাসি ফত্তবনি হাঙ্গনা থংহনস্থ তোকপা ওমগে। মাখোইনা মহৌশানা মীথোই মীহেনবা পাম্বদগী ওইরবস্থ নত্রগা ওক্তবদগী ওইরবস্থ থবক্তী অচাবা চাং অদু তাকপা ওমগে।— তুম্বা, চাবা, পাবনচিংবা হিরম পুন্নমক্তা মাখোইনা মাগী মাগী মতিক ওকপা চাং অদুদগী কাঙ্গন

তৌদুনা ছিরম পুন্নমক্তা চাওখৎপা ওমদদুনা মমল নাইত্রবা পুনশি অরেম্বদা মাংহল্লি। মরমদি মীওইবগী হকচাং পুকনিং অমসুং ধর্মগী শাঙ্গল পুন্নমক য়াম্মনা চাওখৎহনবনা মীওইনা পানবগী মরু ওইবা ধর্মনি। পুক্নিং অমসুং ধর্মগী মরমদা থৌশাদদুনা হকচাংগী পাঙ্গনতা চাওখৎনবা হোৎনরবসু মীগা শাগা খেন্নবা নাইরোইদবনি। অদুগা অমুক অদুতা হোৎনদুনা হকচাংগী শাজেন থৌশাত্রবসু হকচাং অদু লাইথুং পান্দুনা পুনশি অদু অরেম্বদা তাগদবনি। মরম অদুনা হীরম পুন্নমক মাগী মাগী চাং কাঙ্গদনা নোমগদবনি। মাদুতদা পুক্নিং অমসুং হকচাংগী চাওখৎপা য়ংবা ওমগদবনি।

মফম অসিদা ঐখোই পুন্নমকী দোষ অমসুং নিংশিংনহোবনা থোকই। কেব-মোবদা ঐখোইনা হীরম পুন্নমক্তগীসু হেন্না মাগী অওকপা চাং অদু থুগাইরে। ঐখোই মৈতৈ হাঙ্গবা অসিমক্তবু মহৌশাগী লুবা নানবা কেব-মোবগীদমক মীরৈবাক্কী মী পুন্নমক্রা থাগৎলম্মী। থাগৎপমকসু য়াই। ঐখোইনা ঐখোইগী লুবা নানববু দোষ তৌবা নত্তে। থাইনদগী মৈতৈনা মশাগী জুং চানবা শেৎপা চাবা হৈতবা লৈরমদে। জনষ্টোন সাহেবনা হাঙ্গিরম্বা অমা লৈ।— 'মুমিদাংবাইদা মৈতৈগী নৌনা তাবা উনগুম্না ঈঙৌ ঙৌরবা কৈথেন উরবদি গুম্বত্তবা ওমদে।' তৌইগুম্বসুং মখোইগী অঙৌবা ফিজেৎ অদু মমল চংবা পোৎ নত্তে। মহৌশাগী লুবা নানবনা হকচাং ফজরা পান্থে ওই হাঙ্গবদি চুম্মি; লৈপাক্তা শাবা পোৎনি— য়েৎতা পাঙ্গবা শেন ওইদা ওনবগুম্বনি— অদুগা ফজবসু অঙৌবা উন্দগী থোইনা তাবা পোৎ নত্তে। তৌইগুম্বসুং হৌজিক অসিদা ঐখোইনা মীগী মতৌ তম্বদগী থোইদোক হেন্দোকনা কেথোক-মোথোকপা পাম্নরে। মাদুনা থোকপদি— নোংচুপ থোং হাংবা।— ঐখোইনা নোংমগী রানা তাপ্পরবা শিকি নোংচুপকী লল্লোনবশিংদা কৎপা। অওইবমক মাসিনা ঐখোইগী জাৎকী লাইরবগী অথোইবা মরম অমনি। ঐখোইগী জাৎনা ফি শাবগী মরমদা করিসু তোম্বা লৈতে। চহি ৪০০ গী মমাংদা মোইরাং থোইবীনা শাবা ফিগী রা তাররিগনি। অফববু মতম অদুদদি মাগী মাগী অবস্থা মতুংইন্না শেৎলি। খম্বনা থোইবীগী ফিগে শেৎলুদুনা মনাও ইবুংঙোগী অশাওবা ফংখ্রিবা অদুনি। হৌজিক্তি মাদ্রসু লৈত্রে; চৎথোক-রকলবদি বাবু কাঙ্গালী- শিকি তানবা মথাই তাবা অমুক থংবা লৈত্রে; অরাবনি। শেন হাঙ্গবা অসি তুরেন কৌশিংগুম্বনি হাঙ্গদ্রনসু লাঙ্গবা য়াদে; ঐখোই ইশানা ওইহনজবা কৌশিংনি। মরম অদনা থোইদোক্লা শেৎপা চারা তোকুনা ঐখোইনা লৈবাক্কী শেন ময়েং তাদনবা, হকচাং ফগৎপা হেন্নবা মহৈমশিং তম্বদা হেন্না চাওখৎননবা হোৎনবনা চুম্মি। অদ্র নত্রবদি লৈবাক্কী চাওখৎপসু ল্লাম্লি।

নোল্লুকপা তম্মু।

নোল্লুকপা হাঙ্গৈবা অসি মীওইবগী লমচংবী লৈতেংগী মশকনি। থামম্বা অহিংনা মী অপুম্বগী অকিবগী মশক ওইবা অতুগুমদুনা নোল্লুকপা লৈত্রবা মীওইবগী লমচং অদুম্ব থাইগী পান্নফম থোক্কে। লাইরিকলাইশু পুন্নমক্না নোল্লুকপা মীগা মহৈয়ানবা উগা পান্দমনৈ। উনা মহৈ য়াল্লগা মরাঙ্গৈ লুকপগুমনা মগুন লৈবা মীতনা নোল্লুকপনা মরাঙ্গৈ হুম্ববনি, মহৈপান্দবা উনা ফন্নবগুম্না মগুন লৈতবা মীনা চাউথোকপনি। নোল্লুকপনা করি কান্নবগে? চাউথোকপনা মীগী থম্মোইদা হেক চংবগা মীওইবগী লমচংবী নিংথিবা পুন্নমক মাংঙি। নোল্লুকপগী অস্থম্বা চিংশিন্নবগী পাঙ্গল লৈ — নোল্লুকপা মীবু মীনা হুংশিদবা ঙমদে; মাহাক্কী অস্থম্না শুক্নাৎনবগী পাঙ্গল অমা লৈ— নোল্লুকপা মীগী অইংবা মচং অদু উরগা ওন্নাংথাদ্রা চন্দন চাইবা লৈরাংগুন্না মীগী থম্মোই থেকথংলোই হাঙ্গৈবা ঙমদে। নোল্লুকপা মীনা মহৈশানা তেংবানবগী মীওইনা পানবগী লানফম অসিদা মাইপ কপা ঙম্মি। চাউথোকপা নাপল ভৌবা মীনা থোথোক খুদিংদা নিংবা কাঙ্গৈবা অমসুং ইকাইবা ফবা অসি মহৈশানি। সুমদা লাইবিক তম্ফমশংদা, তেংবানবগী থবক খুদিংদা, মফম পুন্নক্না নোল্লুকপনা চাউথংপা পুন্নমক্কী পাম্বৈগী মশকনি। নোল্লুকপা ছাত্রশিংগী পুকচেল্দি থোংলি অমসুং মেংঙি। মবম অদুনা মাখোইনা ইবাঙ্গৈলাইনা অহল্লমনগী যাথং, ওজাগী পাউতাক পুন্নমক্না পুক্নিংচংবা অমসুং মাদু পুক্নিংদা হানজিনবা ঙম্মি। মগানা মশাগী অরাৎপা লৈত্র হাঙ্গৈনা নিংলিবা মীশিং অদুনা করি অমুক নৌহৈনা পাম্ফম লৈবগে? কনা কনাগুম্বনা হাঙ্গৈ— নোল্লুকপগী অইং অকবা মগুন ফনা লৈদুনসু তেংবানবগী অকনবা লানফম অসিদা মাইপাক্কে হাঙ্গৈবদি হিরম অয়াম্বদা বক্নগুম্না কন্দবা য়াদে; মশানা যোৎকুন্না কল্লবদা কদাইদা থবক্কী পাংনফম লৈবগে? মবম অদুনা অবনদা অতাপ্পা মীদা নোল্লুকপগী অথুম্বা রাহৈ ভাংলুবগী কবি কান্নফম লৈবগে? মাসি অনৌবা মমদি ফনা চম্মি— তেংবানবদা হিংদুনা পানবগী লানফম অসিদা অমদি তাইবংমী ভিন্নবগী থাক্কী লম অসিদদি অঙনবা বাহৈ, অকনবা নিয়ম নত্তনদি থবকপাংবা ঙমদবনা নম্মি হাঙ্গৈব অসি ঐথোইস্থ যানিংঙি। তৌইগুম্বসুং ঐখোইনা হংনিংবা অমা লৈ— তেংবানবগী থবক্কী লমদ নোংমৈ-শীংজংগুম কল্লি হাঙ্গৈনরিবা অদুগা অরুবা থবক্কী মতমদা য়াদবা মতুংইন্না মাইয়োক্নরিব মীগী মফমদা শা কৈগী মতৌ ওইরিবা মীশিং অসি নোল্লুকপগী শুক্নাৎনবা ওইবা মতৌ অসিদি ইয়াও য়াওদ্রব্রা? অকন-অথৌবা পুন্নমক্কী লুচিংবা ওইববা নেপোলিয়ান বোনাপার্টিবু ঐখোইনা অসিগুম্বা মীনি হাঙ্গৈনা থঙি। তৌইগুম্বসুং মাহাক্কী থবক পুন্নমক্না নোল্লুকপগী অঙকপগী মশক ওইববা খুদম উরগা ঐখোইনা নোল্লুকপগী মরীদা তাথীরা ভাংলুবা ঙমদে; ভারতকী অথোইবা কবি ভবভূতিনা হাঙ্গৈখিবা অমা মৈ— অসিগুম্বা মীশিং অসিদি বজ্রদগীসু হেন্না কল্লি অমরোমদ লৈদগীসু হেনা থোংলি। নেপোলিয়ান হাঙ্গৈবা অসিসু অদু মঙাই, মাহাক্কী লানচংবদা লানগী

চাওথোকপগী লৈতেং অমতা য়াওদে; অচম্বা সিপাইগী ফিজেং শেত্তুনা অচম্বা সিপাইশিংগা তোংনহনা মখোংনা লানফমগী মফম খুদিংমক কীনবা যুনা চংখি; মতমগী মতা য়েংহনা মাহাক্কী সিপাইশিংমক্তগীসু হন্দনা অশংবা তিংথৌ মথক্তা হিপ্পনা অহিং লেনবসু মাহাকনা কল্লিমতা হঙ্গোইবা তৌখিদে। মাহাক্কী লাম্নীশিংনা মাহাকপু লাইগুম্বা কিখিবা, মপাওম্না সুনা তৌখিবগী মরম পুন্নমক্কী মরক্তগী মাসিসু অমনি হাঙ্গিদবা য়াদে। লাম্না তৌদরা য়াব্রবসু মাহাক্না য়েক্লবদা চংজহনা সন্ধি তৌনবা চামরক হন্না হাঙ্গিজে। লাম্না লোইন্নবসু লানওম ফিরান হাঙ্গিগৎপগা লোইননা মাইথীব্নবা নিংথৌশিং অহুদা অৱাবগা লোইননা নোল্লুকপগী থেমজিনবা ৱাহৈ ওাংবা মাহাক্না থক কাউবা লৈতে। অসিদসু নত্তনা ভাগ্যচন্দ্র, বিলাত্তকী নিংথৌ রিচার্ডনচিংবগী ৱারী পারবসু ৱা অসি নিংথিনা থংবা ওমগনি। নোল্লুকপগী থাজৈশেংবা মুর্ত্তিমক ওইহনসু অসিগুম্বা অচৌবা মীশিং অসিবু ঐখোইনা থবক ওমদবা মী হাঙ্গিরুবা য়াব্রা?

মাসিদা কনাগুম্বনা অমুক হাঙ্গিবা য়াওই— চুম্মি, নোল্লুকপনা মীগী থৌজান নিজবা মরমনা করিগুম্বদা থবক পাংবা ওম্বসু য়াওই; তৌইগুম্বসুং মাহাক্কী থবক অহুদি কবুই কৈওইবগী মনিংমমাং, হোবা উতোংগুম্বনি; মাহাক্কী অমুক মশাগী ইকাইখুমনবা লৈ হাঙ্গিবা য়াব্রা? মাহুসু ঐখোইনা য়ানিংদে। নশাগী থৌওম্বা মগুণ লৈরবদা মীওোন্দা নংনা নোল্লুকপগী হৌনবী মতুংইন্না অথুম্বা ৱাহৈ অনি অমা লাম্থোকউবদা করি থোইনা ইকাইনহৌরুফম লৈবগে? নাপল, চাউথোকপা হাঙ্গিবা অসিদি লৈতবা মীগী মচংনি। মাসি ভগবান শ্রীকৃষ্ণমক্না তাকপিরমলে, যুধিষ্ঠিরগী রাজসূয় যজ্ঞদা, অতোপ অতোপ্পা নিংথৌ, অওমঅথৌ পুন্নমক্তা থবক্কী শিম্বোং তোঙ্গান তোঙাম্না শিন্নরকপদা শ্রীকৃষ্ণ, মাহাক্কী খুয়াদা যজ্ঞগী অর্ঘ্য কংকদোরিবা ইবুংঙো স্বয়ংমকনা অতিথি পুন্নমক অহুগী খোংহাম্বগী থবক লৌখি। মাসি তাবদা কনাগী পুক্নিংদা কিবা অমসুং ভক্তি পোক্তবা য়াওবগে। অৱোইবমক মশানা চাউহনা লৈজরবা মীশিং অহুবু নোল্লুকপগী থবক্না পিকথহনবা য়াবা নত্তে।

তৌইগুম্বসুং অৱাবগী হিরমদি মাসি থংবা মীসু থংদবা মীসু ঐখোইগী মরক্তা অয়াম্বদা নোল্লুকপগী লিচং অসিসু য়াম্না কোইনা থনবগুম নিংই। মাহুগী মরক্তা ঐখোই লাইরিক তম্বা মচাশিংদা হেন্দোকপা উই। পুং ইশৈনচিংবা তম্বা ছাত্রশিংনা হুংশিরবসু হুংশিত্রবসু ওজাগুরুগী মফমদা তৌবা ভক্তি, চংলকপা নোল্লুকপা ব্যবহার অহু উরগা ঐখোইনা কল্লক্তবা ওমদে। মরম অহুনা ঐখোইনা মতম অসিদগী হৌনা মহৈ অতৈ তম্বগুম্না মাসি তমদবা য়াদে, ওরাইদবা চুমদে। মমিং চংলবা সার আইজাক নিউটনগী মমিং খ্বাইমক তাররিগনি নিংভি; মাহাক পোক্তুনা মতম অসিগী বিজ্ঞান শাস্ত্রনা অসুপ ৱাংবা খুভম ফংবা ওমখ্রিবনি। মাহাক্না যুগ অসিগী বিজ্ঞানগী গুরুনি হাঙ্গিনরিবা অসি অচুম্বমকনি। তৌইগুম্বসুং অসুনা মপালনাইত্রবা মহৈগী মপু ওইরবা নিউটন্না হাঙ্গিখি "ঐদি অওাংগুম্না সমক্তগী তোর্বান্দা তাবা নূংহুম মচা খুত্তিল্লিবমখৈতনি; লৌশিংগী মপালনাইত্রবা ঈপাক্তি মাংদা শোক্তুনা লৈরি।" ঐখোই ছাত্র পুন্নমক্না মাহাক্কী ৱাহৈ অসি থমোইদা য়েক্তুনা মতম পুন্নমক্তা ইকাইবা চুম্মি।

লম্নচৎ।

লমচৎ হাঙ্গৈবা অসি মীওইবগী মমলনাইদ্রবা লম্নি। অয়াম্বনা মীয়মলেন লাহরমলেন আন্দমক্তা অমসুং হকচাংগী চাউখৎপা নত্তনা অত্থুগা শেন তান্নবা লম্বী শেম্বা নত্তনা ভম্বগী অতে মরম কম্নি। লৈফম থোকপগে হাঙ্গৈনা খল্লি। মাখোইনা খল্লিবা অত্থুম চুম্মি, ঐখোইসু অমরোমদদা য়ানিংঙি। তৌইগুম্বসুং অত্থুমনদি ওইরগা ঐখোইনা নিংবা অমা লৈরি তম্বনা পুক্লিং, হকচাং অমসুং ধর্মগী মরীদা চাওখৎনবগী মরমনি হাঙ্গৈদুনসু ফজবা লমচৎনা মাখোই পূন্নমক অসিগী মরুনি। ফজবা লমচৎনা লৈত্রবদি হাঙ্গৈরিবা পুন্নমক অসি ফংকম অমসুং ঙাকফম লৈতে। অওইবমক মীওইবগী ফজবা লমচৎকা মান্নবা লন অমা লৈতে। অগুক্রুং লন অসি ফংজবা ঙমলবা অমদি ফংজদুনা মাসিবু নিংখিনা ঙাকপা ঙমলবদি শিগদবা মীওইবনা শিদবগী অথোইবা লন অত্থু ফংবা ঙম্মি। মীনা হাঙ্গৈনবা অমা লৈ — লুপা লাখ অমা থনমদুনা শিববুদি লমচৎ ফজবা মচা অমা থনমদুনা শিবনা হেন্না তোংঙৈ। মাসি অরানবা নত্তে, মচৎ ফত্তবা মপাগী খুত্থুং ইন্দুনা মপানা তৌরম্বা অত্থু চাওখৎনবা হোৎনবা অত্থুদি থবু থম্নরো, মাহাক্না মপানা রানা লাংখৎলমলবা হিরম পুন্নমক অরেম্বদা মাংহনগনি হাঙ্গৈবা অত্থুদা করি চিংনফম লৈবগে? লমচৎনা ফজদ্রবদা অচৌবা শাগে মপালনাইদ্রবা লনথুম, অমসুং মহৈমশিং পূন্নমক অরেম্বদা তাই। লমচৎনাইদবা মহৈ হৈববুদি মচৎফজরবা অপংবা অদুনা হেন্না কান্নরে। লমচৎ ফজদবা মহৈ হৈবনা মাহাক্কী মহৈ অত্থু মশাগী অমসুং অত্তোপ্পগী কান্নবা শীজিন্নবা হৈতে। মাগী থবক খুদিংমক্তা জাৎকী ময়েং তানবগী মশক্তা ওই।

লমচৎ হাঙ্গৈবা অসি মীওইবগী লৈত্তেংগী মশকনি। শনা লুপানা লৈত্তেংদুনসু মচৎনা ফজদ্রবদি কনানসু মহাকপু য়েংলিংদে; লৈত্তেংবা নাইদ্রবসু লমচৎ ফজবা মীদা ভক্তি তৌবা অসি মহৌশানি, মীনা লমচৎ ফত্তবা মীবু মত্থুপানবা লিনগুম্না কিনৈ; মাহাক্না ঙনদবা করি লৈবগে? অমরোমদা মাসি মীওইবগী লমজিংবগী মশকনি। লমচৎ ফজবা মীদগী জাৎকী অফ-ফত্তা পুন্নমক লেপ্লনৈ। মাহাক্না হিংলিঙৈদনা লাইরৈবাক্কী হুঙাইবগী মহাও অত্থু থংবা ঙম্মি। মরম অসিনা মী পুন্নমক নহা ওইরিঙৈদগী লমচৎ ফজনবা হোৎনবনা চুম্মি। ফত্তবা লমচৎকী মমিনা অঙাংগী থোৎলবা থম্মোইদা তাপ্লবদা মত্থুংদা মাহু মুখৎপা য়াম্না লুই।

লমচৎ ফজদনবগী মরম পুন্নমক্তগী ঐখোইনা অনি অসিনা অথোইবনি হাঙ্গৈনা নিংঙি।—

১। ফত্তবা সঙ্গ ত্তিম্নবা। অঙাং হাঙ্গৈবা অসিমক্তবু মহৌশানা মীগী মতৌতম্বা পাম্মি। তিম্নবা সঙ্গদগী ফত্তবা থবক পুন্নমক উরবদি মাহুনা মাখোইগী অশেংবা লমচৎ পুন্নমক অত্থুবু মাংহল্লি। (হিরম অসিদা ইমুংগী মমা মপাগীসু চেকশিন্দবা য়াদে)। অনিশুবদা মীওইবগী পুক্লিং হাঙ্গৈবা

অসিনক্তবু মহৌশান্না ঈশিংগী মতৌগুম্না অনেম্বত্তদা চেম্বনিংই। থাউমৈ মৈরি চাউনা চাকুনা লৈরবদা মৈরানবীনা মথরাই পুবা ওমদে ; মাহাকনা ওাইহাক কোঙ্গপাই পাইরগ্না ম্নতুংদা মৈরিদা চোংশিন্দুনা শি। মীওইবগী পুক্লিংসু অয়াম্বদি মৈরানবীগুম্বনি। মাসিনা পাপকী অহানবগী পুক্লিং শুম্বাংনবগী মশকওইবা শকফম অতু উবদা শুম্নাত্তবা ওমদে, মতম অতুদা মী অতুনা মশাঙ্গা অরানবা অতু অমুক উবা লৈতে। মতম অতুদা অহল্লমনগী য়াথংওাকপা, কান্নবা নিংখিবা মরুপকী পাওজাক-ওাদা-নত্তনা অমুক পাম্বৈ লৈতে।

ইন্দ্রি খুত্থমচনবা।

ইন্দ্রি খুত্থমচনবা হাঙ্গৈবা অসি লমচৎ ফজবগী পোকনফমনি। ইন্দ্রি খুত্থমচনবা ওমলবত্তদা মুংশিবা, থৌজাল অসিনচিংবা মীওইবগী অফবা পুকচেল পুন্নমক্কী মতিকচাবা নৈনবা থোক্কুনা তাইবংমীনা ফজবা লমচৎকী মশক ওইরবা তাংলবা লন অসি ফংবা ওম্নি। মমাংওৈদনা হাঙ্গৈগে, মীওইবগী পুক্লিং, মীওইবগী পুকচেন হাঙ্গৈবা অসিমক্তবু মহৌশানা ঈশিংগী ঈচেনগী মতৌগুমনা অনেম্বা ফব্বা মাইকৈরোমদা চৎনিংই, চেম্বনিংওি। অতুনা ইন্দ্রি খুত্থম চনবা ওমদবা মীশিংনা মাখোইগী পুক্লিংগী মতুংইন্না অফ-ফত্তবা খন্দনা তৌনিংবত তৌত্থনা মখোইগী মমল নাইত্রবা লমচৎপু মাংহনগনি হাঙ্গৈবদা কব্বি চিংনবা লৈবগে? শগোনগী খুর্জী থাত্থনা থৌরবদা শগোন্না চেম্লিংবদা চেন্দুনা তোংলিবা মীগী অরাবা থোকপা য়াবগুম্না ইন্দ্রিবু লাকশিনবা ওমত্রবদি মীওইবসু তম্ফম পুন্নমক্কী মক ওইরবা ফংওমত্রবা ফজবা লমচৎ ফংবা ওম দত্থনা মাহাক্কী মপুনশি হত্থ আরেম্বদা মাংওি। মতম অতুদা মাহাক্কী মুংশিবা, থৌজাল, মরৈবাক মুংশিবা, লাইবু নিংবা অসিনচিংবা পুক্লিংগী নিংখিবা লৈবাং অতু থম্মোইদা শাৎপা ওমদত্থনা কংত্থনা মাংওি।

মহাভারতনচিংবা থাইনগী হিন্দুশাস্ত্র পুন্নমক থরদং নৈনত্থনা য়েংলবা মীশিংদ্রি খংবা ওমলরিগনি। —থাইনগী ছাত্র অয়াম্বগী তম্বগী মরুবু ইন্দ্রি খুত্থমচনবা তম্বা ওইবগুম তৌই ; হৈরকপা মহেদি সমরোমদা মাত্থগী মতুংইনবগুম থোকই। ইন্দ্রিবু খুত্থমচনবা ওমলবদি তেংবানবা অপু বু খুত্থমচনবা ওমলবা হাঙ্গৈবা অত্থনি হাঙ্গৈত্থনা শাস্ত্রদা হাঙ্গৈরিবি। অতুদা কব্বি লানবা লৈবগে? পৃথিবীগী অরা সনাবন্ন অতুদগী হেন্দোক্কুনা মুংওাই য়াইফবগী থোঞ্জেল পুন্নমক মাওোন্দ্রি নিত্তিগী থোংবা কাক্কী থোঞ্জেন্দগী অতোপ্পা ওইনা তাদে। থাগৎপা নত্রগা তাথীবা, অম্যাংবা নত্রগা অতোংবা পুন্নমক্তা মাগী ফম্মান্না লোংবা লৈতে। পৃথিবীদা মাহাক্কী য়েরুবা লৈতে। সংসারদা লৈত্থনা মাহাকনা

স্বর্গগী হুংঙাইবগী অমৃত থকপ থকপা' ফংভি। মাহাক্কী অস্থবা ফিদম, লৌনকম "ওইরবা' মপুনশি অয়্থ কনানা কল্লক্কবা ঙম্বগে?

তৌইগুম্বসুং কৈ হাঙ্গৈবা খঙহনা নম্রগা, তাদ্না ঐখোইনা পাম্বমথৈ ঙম্মি। অক্কুমনদি ওইরগা ইন্দ্রি খুহুমচনবা হাঙ্গৈবা অসিদি য়াম্না লুবা থবকনি। অঙাংওইরিঙৈদগী অতৈ তম্বগা লোঙ্গৈননা মাসিসু তম্বা অমসুং নৈনবা হৌনৈ। চাবা মতমদা চাবা, তূম্বা মতমদা তুম্বা, থবক তৌবা মতমদা থবক তৌবা, শান্নবা মতমদা শান্নবা, মথংমনাও নাইবা, অশাউবা, অপাম্বনচিংবা লৈতবা অসিনচিংবা অসি ইন্দ্রি খুহুমচনবা ঙমলবা ছাত্রশিংগী খুদমনি। ছাত্রশিংনা হিরম পুন্নমক অসিদা চেকশিনবনা চুম্মি। অশাওবা, অপাম্বা অসিনচিংবা ঐখোইগী য়েকনবনি হাঙ্গৈরিবশিং অসিবু থৌগৎপিনবা পোং পুন্নমক নম্রগা থৌথোক পুন্নমক ঐখোইগী মাইকৈ মরিমক্তা তাহনা লৈরি নম্রগা থোক্কই। য়েকনবা পুন্নমক অসিনা কনখৎলক্কুনা মাগী মাগী শিনফমদা পানথ্রবদি মীওইবনা লৈখা তাবা শোঙ্গৈদ্রে। অশাওবা হাঙ্গৈবা য়েকনবনা খুহুমচনথ্রবদা মীনা অফফত্তবা খংবা লৈখিদ্রে; মী হাৎপনচিংবা তমখীরবা থবক পুন্নমক অসি অশাওবগী মহৈনি। অপাম্বদগী মীওইবা পুন্নমক্কী মিংচৎ থীনবা ওইরবা হব্রানবা, মীনম্বা, কল্লকপনচিংবা পুবচেন পোকই। তৌইগুম্বসুং মাখোই অসিগী গুস্কাৎনবগী মশক ওইরবা পাঙ্গল লৈ— অহনা মীওইবগী ইন্দ্রি পুন্নমক অসিনা মাখোই অসিদা চংনিংদবা ঙমদে। মরম অহনা ইন্দ্রি পুন্নমক অসিবু মাখোই অসিদগী কন্নবা লাক্লবনা চুম্মি। ঐখোইনা মথাদা ইরিবা খুদম খরদা ঐখোইগী জাৎনা ইন্দ্রি খুহুমচনবা ঙমদবা উই।

কেব-মৌবদা।— মাসিগী বাদি ঐখোইনা মমাংদসু নিংশিংখ্রে। মাসিনা মৈতৈ জাৎকী লাঙ্গৈরনবগী অতোপ্পা মরম অমনি হাঙ্গৈবসু য়াই। থাইনগী কেবগা হৌজিক্কী কেবগা য়াম্না খেন্নখ্রে। ঐখোইনা থাইনগী মৈতৈ অকেবশিংগী ওম্বোকপা পাম্মবা বা তাই— ঈরুবদা মতম পাম্মদবা— ঈশু তাবা ফি হৈনম লৈনম্ননা চূরবা হকচাং অসিনচিংবা মতমগী শমকক, মতমগী ফিজেৎনচিংবা চাংদমনবদা মতমগী পান্নফম থোক্তবসু ওইজবা কন্নানা হেনবগে হাঙ্গৈবদি খ্বাইমক থংভি। মাহাক মাহাক্কী অবস্থাগী মতুংইন্না মাহাক্কী অপাম্বা শীজিন্নবদা ঐখোইনা থাম্বা ঙম্মব্রবসু তুং-মাং য়েংদনা অপাম্বনা খুহুমচন্দুনা নিতিগী ওম্বোকপা শকফম পুথোক্লবা লাক্লবা উরগা ঐখোইনা থম্মোইদা রাজবমথৈদি ঙম্মি।

চাবদা — কেব-মৌবদ। ঐখোইনা ইন্দ্রি লাকশিনবা ঙমদবগুমনা চাবথকপদসু তৌরে। মীরৈবাকী অনৌ আনৌবা অচা-অথক পুন্নমক উরগা ঐখোইনা ঐখোইগী ইন্দ্রি খুহুমচনবা ঙমদ্রে; তৌইগুম্বসুং ঐখোইনা অসিয়ৌনা চাবা হেন্দুনসু ঐখোইগী কৈ তরেৎ চংনা ফাবা ঙম্বা ইপা ইপুশিং অতগী পাঙ্গল য়োহদি কনা অমতা য়াওদ্রে। চুরুপ থকপা ফত্তে; অঙাং ওইরিঙৈদা চুরুপ থরুবদি

ঐখোইগী থোপ অসি মাওঙি হাঙইদুনা ওঝা চামগী চিন্না ছাত্র কয়াদা তাকই ; তৌইগুম্বসুং কয়ানা তাল্লিবগে ? মমৈদা অসিদগী হেন্দোক্লুনা শোকহৈদবা চাহৈদবা কয়াদা ঐখোইগী অপাম্বনা চংলহনা জাৎপু মাংহনফদে হাঙইবসু কনানা হাঙইবা ওমগনি।

অসিদদসু নত্তুনা ঐখোইনা ছাত্রমচাশিংনা ছিরম অতৈ পুমনমক্তসু ইন্দ্রি খুদুমচনব ওমদবা উই। তৌইগুম্বসুং ইন্দ্রিবু লাকশিনবা ওমত্রবদি মী মাখোইনা চাওখৎপগী খুভম ফংবা ওইদি ওইথোক্তবনি হাঙইবা অসি মাখোইনা খংবনা চুম্মি। চহি খুদিংগী পরীক্ষা লোঙইবদা ঐখোইনা ছাত্রশিংগী পুকচেন ফাবা ওমদবগী তমথীরবা খুদম অমা উবা ফংঙি। পরীক্ষা হেক লোইবগা অডাংশিংনা পরীক্ষাগী ফল খংনবগীদমক পুক্লিং লাংতক্লৈ, তুম্বা চাবা ফাওবা য়াদে। নাইতোম ওইরবসু নত্রগা অনি অহুম তিন্নদনা মাখোইনা পরীক্ষা লোল্লিবা ওঝাশিংগী য়ুমদা কোঙইবা উই নত্রগা ওঝাগী য়ুমদা চৎপমক জুগোৎ চাত্রবসু মাখোইনা ওঝাগী য়ুম মনাক্তা লৈবা মরুপ মপাংশিংদা নপতুনা হোৎনৈ। তৌইগুম্বসুং ছাত্রশিংনা খংবনা চুম্মি— পরীক্ষাগী 'নম্বরদি' ছাত্রশিংনা পরীক্ষাশও মহুংদা মশানা পীজবমদনা লাকল্লবনি। মাখোইগী মাইথোং উরগা ওঝা ইবুংঙোনা কদৌঙৈদসু 'নম্বর' হেক্সৎপিরোইদবনি। মাসি অরাঙইবা রা ওইরবসু কান্নবা লৈ। অসুম্বা ছিরম অয়াম্বদগী ছাত্রশিংনা ইন্দ্রি খুদমচনবা ওমদবা হৌই। অসি নত্রবসু অসিগুম্বা ছিবম হেক উবগা অহল্লমনশিংনা চেকশিনবিবনা চুম্মি। তৌইগুম্বসুং থোগৎপিবা অহল্লমনগী মচা মশুশিংদদি ওজা ইবুঙোশিংগী কৃপা নত্তনা তৌনিডাই লৈতে।

শম্না হাঙইরবদা ছাত্রশিংনা চাব-থকপা, শেৎপ-ইনবা হবাও-কুমৈ তৌবনচিংবা ছিরম পুন্নমক্তা অহল্লমনগী পাউতাক মতুংইন্না মাখোইগী ইন্দ্রিনা পাম্বা কোঙাই অমা থাদোক্তবা য়াদে। নত্রবদি মাহাক্তা অমবোমদা ফনা কত্তনসু মীওইবগী থাংঙৈশেংবা মীওইবা হাঙইবা খুভম অদুদি ফংযম থোক্তে।

পুকচেন তিংবা।

পুক্লিংনা থাজবগী মতুংইন্না থবক তৌবগী মমিং পুকচেনতিংবা হাঙইসি। নংগী পুক্লিংদা নিংলিবা অদু থুগুনা অমা তৌরবদি মাহুন্দা পুকচেনতিংবগী রাখন য়াওদ্রে। অতোপ্পগী পুক্লিং খুংনবা নত্রগা মাহুগী কিবনা থাজবগী মতুংইন্না থবক তৌত্রবদি নমথাক তৌবা থোকই। ইনাকখুল্লবসু, আচৌবা খুবম ফংলবসু পুকচেন চুমদবা মীবু কনানসু থাজবা অক্লচং চুংশিন্না ওমদে। পুকচেন তিংবগী গুক্ষৎনবগী মশক ওইরবা পাজল অমা লৈ মাহুনা মী পুন্নমক্লা পুকচেনতিংবা মীবু চুংশিদবা ওমদে। লমচং ফজবা পামলবদি পুকচেনতিংবগী মশক ওইবা ললবু হান্না তান্দবা য়াদে।

অমম্বগা অঙালবগা খেন্নবগুম্না পুকচেনতিংবগা নমথাক তৌবগনু খেন্নৈ। মুসলমান ধর্ম শস্তোকপা মহম্মদনা মাহাক্কী অচুম্বা ধর্ম শস্তোকপদা আরবকী মী পুম্নমক্না য়েংখিবা হৌখি। মাহু উপুনা নোংমা মাহাক্কী মপন আবুতালিবনা পুক্লিংগী থাজবা অহু থুগুনা মীগী পুক্লিং থুংনবা চত্তখদি মাহাক্কী ফংলোইদ্রৌরি হাঙ্গৈতুনা তাকলম্মি। মাহু তাবদা মহম্মদনা নোল্লুকপগা লোঙ্গৈননা খুমলকই "ইপম্না ঐবু চানবীবগী মরমদগী তাকপিন্নিবা অহু ঐসু থংবদি থংজে। তৌইগুম্বসুং মাহুগী মতুংইম্না তৌরবদি নমথাক তৌবা থোকই। ঐনা ঐগী থাজববু থাদোক্কুনা নত্তবা লমচৎ চৎপদি ঙম্মোই।" মহাপুরুষ মহম্মদনা মাহাক্কী পুকচেন অতিংবগী মহৈ অহানবদা নম্নবসু মমৈদা কদাইমথৈ ফংখিবগে হাঙ্গৈবা অদনা খাই পুম্নমক খংতি।[১]

তেংবানবদা চাওখৎপা খুভম ফংনবগী মবমদা হৌজিক অসিদা পুকচেনতিংবনা কবি কান্নবগে হাঙ্গৈবা অসি ৱাহং অমা ওইবা য়ারবসু পুকচেন শেংনা তৌবা থবকনা মমৈদা মাই পাক্নবদি শোঙ্গৈদবনি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক অসিদা মতমগী ফত্তবা মওাং অমদা যৌবকলবা মবন্না অযাম্বনা উবা ফংলে ফত্তবা পাম্বৈনা কান্নবা ফংবগী মরমদা যাম্না মতেং পাংনৈ। তৌইগুম্বসুং মাহুদি মতম খবগীদমকনি। মৈবু উৎনা কুপতুনা থম্না যাদবগুম্না মাহাক্কী লৌনম অদনা থুনা যোংদোরকই, মতম অদদা মাহাক্না অশোঙ্গৈবা লৈতনা মীগী থাজবা অমসুং নুংশিবা ফংবা ঙমদে হাঙ্গৈবা অদদা করি চিংনবা লৈবগে? মরম অদনা মাহাক্না নমথাক তৌদনা অহানবদা খরা তোংজখিবা অদগী মমৈদনা হেন্না মাংলৈ হাঙ্গৈবা অদদি হায়দনবু অরেম্বনি। শেনতানবগী ৱাদবু হাঙ্গৈরবসু ফত্তবা পাম্বৈনা তানবা শেন অদদি ফত্তবা থবক্কা শীজিন্নদনা মাংই। মীনা হাঙ্গৈ পাপকী শেন্দি প্রায়শ্চিত তৌবদা চংখি। অচুম্বনি। মবম অদনা নমথাক তৌবনা কবি তোংজবা লৈবগে?

অমরোমদা পুকচেন শেংবা অফবা মী হাঙ্গৈবা অসি মী পুম্নমক্কীমক ভক্তি তৌনফম অমসুং ইকাইখুম্নফমনি। হৌজিক্কী মতম অসিদা মখলমখা অয়াম্বা মরমদগী নমথাক অমসুং লৌনম তৌবগী চাং অসি য়াম্না হেক্সৎলকলে হাঙ্গৈবা চুম্মি। তৌইগুম্বসুং অহুম অহুম ওইনমক কনানা পুকচেন-তিংবা মীবু ইকাইখুমনদবা ঙমবগে? পুকচেন মাংবনা অসিমথৈ কান্নৈ হাঙ্গৈতুনা থাজন্নিবা মী অহুসু পুকচেনতিংবা মীবু ভক্তি তৌরোই হাঙ্গৈবা ঙমদে। মরম অহুনা পুকচেনতিংনা মীনা তৌবা থবক্কা মীগী নিজদবা মতেং অমসুং থাগৎপা ফংদনা শোঙ্গৈদনা মহৈ য়াম্লে। অদগা পুকচেন তিংবা মীবু মী পুম্নমক্না থাজে হাঙ্গৈবা অদদি হাঙ্গৈদনসু কান্নদে; মীনা থাজবা হাঙ্গৈবা অসি তেংবানবা অসিদা চাওখৎনবগী অথোইবা পাম্বৈনি হাঙ্গৈবা অসি কন্নিগীনো হাঙ্গৈবা খন্দুনা য়েংউ।

হৌজিক অসিদা ঐখোইনা ৱাবা অমা লৈন্নি।— ছাত্র অয়াম্বনা চহি চুপ্পদি তম্বগী হিরমগা মরী লাগনবা অয়োম্না হিরম অমা তৌদনা লৈরগা মমৈদা চাংয়েংনবা খুদিংদা 'মাইপাক্কপদি লৈপাক্কা খুদনা থাবনি, ফকলাংদা লৈতুম হুমবদি শোঙ্গৈন্নবনি হাঙ্গৈদনা নিক্কুনা লৈবা উই।

মাখোইগী থুংলাই অহুমথক্কী পান্না মাখোইনা শোইদনা থাইপাক্কনি হাইনা থাজে— ১। হুমানবা ২। লৌনম ৩। নিবা। মাবু হেন্না কবা ছাত্রদগী য়েংদবা ইবা নত্রগা অতোপ্পা পাম্বে অমা তৌদনা ভক্তমশং মনুংদা লাইরিকমচিংবা য়েংদনা ইবা অসিগুম্বা অসি-অহানবা মথনগী থুলাইনি। ওজাইবুংডাশিংদগী করিগুম্বা থাজবা ময়াবা হিরম অমমীদমক ছুটি লৌদনা থোরক্কগা মপান্দা অথংবা মী অমগা নত্রগা লাইরিক্কা তানবা অসিনচিংবা অসিনা অসিগুবা পাম্বেনি। অনি অসি তোক্কনা ওজা ইবুংঙোশিংগী মনাক্তা পরীক্ষা লোইরগা কপলুগনি হাইবা অসিনা অহুমগুবা পাম্বেনি। অহুম অসিমক অরেম্বনি হাইবা অদ অফবা ছাত্র পুমমক্কা থংবা ঙাক্কনি। মথক্কী পাম্বে অনি অসিনা মাখোইনা করিগুম্বা ওজা ইবুংঙোশিংগী থৌরবা মিৎয়েংদগী লাম্হোকপা ঙমলবসু মাখোইগী 'বিদ্যা' দি কবুইকৈয়োইবগী ঈশিং উতোংগুম্বনি হাইবা অদদি হাইদনবু অরেম্বনি।)

পাউতাক খরা।

(মৈতৈ পাউরৌ খরা)

মীনা য়ানবা চৎনু— 'মীনা যাবগা লাইনা য়াবনি'। মবম অহুনা চাউগে, মুংঙাইগে, য়াইফগে, হাইরবদি মীনা যানবা চৎলু। লৈগী মনম মুংশিংনা পুই; মীগী মনম চিন্না পুই হাইবা কাউগনু।

অত্রমন্না হাইবা ইল্লু— থৌবান্দোং চফুবু কাইনবা যৈবরা? মাখোইনা ঙাংবদা শাউকগনু। 'মচা চানবদি পুকনুংদা চাল্লু হাইবা পাউবৌ অসি ঙাকনবা] মাখোইনা নংবু ঙাংবনি। অহনগী অমাংবনা চফু মেয়ৈ, হাইদুনা মাখোইনা হাইবদা হেক মতারকপনি। মাখোইনা থংডি 'হুইবু লুনা তৌরবদি লৈতোন লেকই'।

ংনগনু— 'খোং চোৎলগা চিন চোৎপনি' 'লাইনা য়াৎপা খায়াৎনি' হাইবা অহুদি অমরোমদা হাইবা য়ানি'। হৈবোং মখাদা হিপুনা খরা নিকপিরম্মু. হাইবা অহুনদি কান্নবা য়ত্তে। লোম্মু— অরাবা মচা লেমনা মাংদবনি।

থবক্তা ইচং থৌ— 'নোংমা পোকপা'মচা নিনি শিবা হৌনদে' 'পেমা শেম্মিডোদা শামুবৌ যৌই' 'খোঙ্গাই শংলিডোদা যগমা য়াই' হাইদুনা ছোইশাতলবলবসু কান্নবনি। শেন্দাং ঙন্না তাবনা চেং মচং 'চাই' হাইবা য়া লৈবনি। হুপী মমাংদা পাখোম ভিংবমু কান্নদে।

হেক লিংবা কাঔগনু— 'অনম কল্লগা মাইবী চংভি' 'খাওবা কল্লগা ফমেল কংভি' হায়বা য়া লৈবনি। অরা লুংঙাইবা হায়বা অসি কনাগীসু 'পিবা কম নত্তে'। হন্না হন্না লাকনৌ; 'তল্লবদি তৌক্লসু, তৌরবদি হনগনু' হায়বা লৈবনি। অহু নত্তনা অমসু অমসু খৎ খৎ তৌরবদি 'মপাম চাকসু চাদা মরা চাকসু চাদা' অমসু অমসু কান্নদনা তোকই। 'অয়ুক পান থারগা লুংথিল পান ফুকপা য়াবা নত্তে। শাইরা শাইরগা ওইনম্মি হায়বা লৈবনি।

"নভিক নত্তনা নঙল হাপ্পসু" তৌগনু— "শামুগী মপোৎ ইরোইদা থোনবা য়াবা নত্তে।" "উচি কল্লক্লনা ময়ুম মৈ থাই" "মকন্থীনা মরন ফোইদৎলি" হায়বা অহু তাগনি। ছিরম পুন্নমক্তা "লিনসু শিনবা চৈগুসু তেক্তনবা" লাকনগদবনি। অহু নত্রবদি "লালুপসু কা রাশাসু শা" হায়ত্তুনা অরেম্বদা তোক্কনি। "মতাও ইকাই লান্দা শি" হায়বা অমসু লৈবনি। আশা য়ান্না ভৌমল্লবসু রাবা নংবনি; ভাবনা দলাল শাবা কান্নদে মংদা মঙ্গা তানবগুম্বনি। ইরোই লৈভ্রিডৈদা হৌদোং হাৎপা কান্নদে।

নহৈ কন্না তমউ।— অপংবগা মান্ননা ফত্তবা লৈত্রবনি। পংগদবগী শরুকপুদি শিয়ু হায়বা অছুনি। "মী অপংবা লালওইনৈ (১), উ অকংবা শীংওইনৈ" হায়বা লৈবনি। হৈরবদা চন্নদবা লৈতবনি; "মৈবু ফিনা কুপ্তনা থম্বা য়াদবনি" "লাইরিক হৈরগা লাইশু হৈতবসু তৌগনু" নহৈগী শীজিন্নফম খংউ।

রাতা কজবা ঙাংগনি।— "রাহৈ অমনা পেল্লি, কা মতপ অমনা চিন পৈ" হায়বা লৈবনি। ফনা শেংত্তুনসু "রাহৈ হৈত্রগা মপা চৈবা শকই।" শানা শিবনা খোঙ্গুন্দা মীনা শিবনা মচিন্দা হৈত্তবা নংদি ঙাংঙগনু" হায়বা অত্তুদা কাউগনু।

মতম মাংহনগনু— "পাঙন থৌনাইদবনা থোইদিং পোৎমা হৈদোকলগা খুল্লি" হায়বগুমনা অরেম্বা থবক তৌত্তুনা মতম মাংহনফদে। "বিধিমকনা পোকঙমদবা মপোকনি।" "অফবা থবক্তা য়েথোকফদে" "নুমিৎ থাবু হুইনা চাখিত্রা" হায়বা অহু অরেম্বনি। অদগা হিয়াং য়েংভিডৈদা তুম্বাগী শেল থৌই হায়বা অদম্ম কান্নদে।

চেকশিনবা তম্ম— 'চেকশিল্লগা চেকয়ুম শাই, ফাদোকলগা করা শাই' হায়বা য়া লৈবনি। 'থরা লৈরগা হিজাওমা হিরুপ্পগুম' 'তৌলাইখোম্বীনা থমনা চাবগুম' লোইখোক্কলবদি মমৈদদি 'পেমা য়েলহৌ ফবী বাক্কেন তোলোই য়েংনসি' হায়বা অদম তারগনি। হাকনা লিকপসু তৌগনু; অরিকপগী মরন শুমনা চাই' হায়বসু লৈবনি। 'ইথুৎ লাম্বোকলগা মীথুৎ লাম্বোকপন্নি কাউগনু। খেল হায়বা অসি চখোকখিরদি লাইবনি। হুরানবা মতুং মৈল্লিংভি হায়দনা মতুংদা থংক্কনি। মরল লৈতনা মঙোম চানিংলবদি তুমদে। উচেক অচৌবনা মহুম চাউনা শাসম্ম।

মীগী মপোৎ হুরান্নুগনু।— 'হুরানবগী ভরানি, মপুগী নোংমা হান্নবা লৈবনি।' হুরানবনা হুংঙাইবা কনা য়াওবগে? লৌনিংমন্নবসু ফংদবনি।' 'পাপনা পাপ চাই' হাঙ্গৈবা অহু কাউগনু।

মীনম্বা ম্না ভাংগনু।— 'লৈতোন্দা শরু পানত্রা' হাঙ্গৈদুনা পংঙাং ভাংবা ফত্তে। 'লিন্দনবু মরৈ অনি পান্নবনি।' মীনমই হাঙ্গৈবা অমুক্কং খংগ্রবদি কনানসু নংবু থাজরোই। 'মৈবু ফিনা কুপ্পনা থম্বা য়াদবনি।' 'মীগী মচিন পাইদুনা খামমুবা য়াত্রা?' হি অনি তোংবা য়াদে, ম্না অনি ভাংবা চুম্নদে। লিম্না মখুল চংলমদাইদা চুম্মি হাঙ্গৈদুনা মমৈদদি চুম্নদবা য়ারক্তবসু য়াওবনি।

মীবু কল্লকউগনু— 'মীবু মাংসনু নিংলগা নংনা হান্না মাংবনি' মীচা শিসনু নিংলগা ইচা হান্না শি' হাঙ্গৈবা লৈবনি। মীগী ফমবতা লাকনৌ, "চেং পুরা, চেং শিং, ফৌ পুরা, ফৌ শিং।"

মীগী মরাহু ভাংনরুনু— শবিনা মমা নোকনৈ হাঙ্গৈবগুমনা নংগী গুমাং শিত্তনা মীগী গুমাং শিৎপা' তৌরুগনু। মীনা ভাংনবা পান্না হাঙ্গৈবা অসি অরেম্বনি। মীগী মতৌ উরগা মীহৌবসু ভৌগনু— নথৌ থাদুনা মীগী মতৌ য়েংদনা লৈরবদি 'লৈম য়েংলিঙৈদা খুন কাই' হাঙ্গৈদনা অরেম্বদা নথৌ শিৎদুনা তোকনি। 'ভারোই কারগা হুঙৌই চোংঙি' হাঙ্গৈবগুম অরেম্বদা মিহৌরুদনসু কান্নবা লৈতে।

শিন্থোং খংনা শূ— 'শগোল মমাং পুন্নাওপুবী, নুংশিৎ মাইরম লশিং কাপপী' হাঙ্গৈবা অহু শাগনু। শিন্থোং খংত্রবদি 'শূগনবা লাইরবা, চাগনবা য়াঙ্গংবা হাঙ্গৈবা অহু' অহুদা হাঙ্গৈরিবনি। 'নতিম্নি নরাইনি' 'লাইগী কাঙ্গৈদনবনি' হাঙ্গৈদনা শূবনদি কান্নদে।

লনচং ফজৌ— 'শকথৌবদি লাইনা শাবনি, মচত্তনি' হাইগংপা পামগনু 'রাতোম্না রাংলগা কাকনা ফমদেকই' হাঙ্গৈবা লৈবনি। মতৌনা য়াম্বা থৌবা শাবসু কান্নদে; মনানা হৈমাং শাবা কান্নদবনি।

থবকমচানি হাঙ্গৈদুনা লাঙ্গৈথোক্কনু— 'থোংবান অপিশকনা মী লৌই' হাঙ্গৈবা লৈবনি। মচা মচা ময়ামনা অচৌবা ওইগ্রিবনি। 'তরাগী চৈগুনা লেংথোং ফাই' হাঙ্গৈবা কাউগনু। তৌগদবা লৈরবদি হান্না তৌহৌবদুনা কৈ 'নামা হাঙ্গৈরিঙৈদা ম্নাত্রগা পোৎমা লোন্নগা য়াই হাঙ্গৈবা অহু তাগনি।

ধর্ম্ম কাঙ্গৈগনু— 'ধর্ম্মনা লেংদবা উপামি'।

অমম্বা মম্ব তিম্নু—'ঙগা তিন্নবা য়োৎ তাউই' লৈগা মরুপ ওইবনা হুপনা লাইগী কোক য়োই হাঙ্গবা লৈবনি।

নরৈবাক, নংগী জাৎপু মুংশিয়ু— ফনা হাঙ্গবনি 'মরোল লোনবা মী থাজগন্নু' 'লমগী ষণনা মচি শ্যাংই' হাঙ্গবা অত্থনি। লৈপুংনা ষণশাবা মো খোংদবনি।

লৈমনিংথৌ থংঙ— নিংথৌগী নাকোংদি ফকলাংদ্রা থেৎপনি। শামু রাক্রম নিংথৌ রাক্রম হাঙ্গবা অত্থ কাউগন্নু।

ঙেংবানবা শেম্বা মপুবু কাউগন্নু।

হৌজিক অসিদা পাউতাক পীনবিনবগী রাৎপা লৈতে; মতমগী মতুংইন্না মী পুন্নমক 'মপা হনবা' ঙাক্লা ঙাঙ্গখ্রে। তৌইগুম্নসুং পুন্নমক অফবা ঙাক্তনি। লৌবিনবা লৈতবগী রাবদনি। মশানা পামদবনিনা পুন্নমক লম্বোইবদা শমজেৎ পীবা তারিবা অসিনি। লৌবা হৈরবদি অমসুং মাত্থ ঙাক্লুনা চৎপা ঙমলবদি পাউতাক পুন্নমক অফবা ঙাক্তনি; মরম অসিনা ফৌ গুবগুম হাঙ্গরগা চেং চোইবগুম নাম্থোকপা তৌগন্নু। হৌজিক অসিদা পাউতাকপীবা মী পুন্নমক থুং ফত্তবদা লালুপচিংবা হাঙ্গবা অত্থ তাখ্রে।

অহিংদা কোঙ্গবা।

তাংথক নাইত্রবা থাবুংনা, থাবনগী মহী চেন্দুনা,
তাইবং চাংজৌ থুম্নাংলে, থাবনগী ঈপোম হৌরকলে।
খোংদোন অতিয়া থুংনবু থরাম্মিচাকী লৈরাংনা,
বসনতগী লৈহাউগুম, মকাফননা শাকাইরে।
নোংইল লাবা অমোমনা, উফৈথক্লা ফমতুনা,
শোরামপু মায়োকনা, থাবন অমৃত থকলকলি।
থরোগী শাগৈ থিবিকনা মকত্রবা পুত্রী ময়োম্বা,
মপুরোইবগী খোগনওই, মকাফন্না শাত্তোকলি।
য়েকনবা কাঙালাকলরোই, মতমগী খুদোংচারিঙৈ,
শাৎচহৌরো লৈরাংও, নকা ফননা নোকচরো।
ইন্নুংঙাল্লে হাঙ্গরগা অমুক নোকপা ফংলরোই।

মতমগী ঈচেন অসিদা, থাজনিঙাই লৈবরা ?
শংবানবা উনা মরক্তা, শনাসী লৈরাং শাংগগুম,
শমজিরৈবী মতৌগুম তন্দনবী লৈরাং শাত্তোকলি।
শংবানবা তিংথো মথক্তা, মহী চেনবা থাবনদা,
মীওইবগী রাখনগুম, তোঙ্গনা চিকমাং মাংখল্লি।
পোন্বী চেকলা য়াতাখ্রে, তামনাগী খোঞ্জেন তাদরে,
খোইমুনা ঙংবা লৈতরে, পৃথিবী তুমখুল্ল হুনখরে।
মকুগুম্বা খরনা, থাবনগী ঈচেন উরগা,
পুক্লিং খোঙ্গশাউনহুনা মপুতমনা রাকৎলি।
(অমম্বদা তুজুংরা, অঙানবদা খোঙ্গশাউবা।)
অহিংগী নিংথিবা উরগা, থাবনগী ঈচেন ফংলগা,
থমোইগী মম্বা নত্তনা, রাবিনবা য়াওবরা!

মোইরাং।

১৩।৯।২১ ইং।

অরাবা ইশৈ।

সন্ধ্যারতিগী খোঞ্জেল্লা, মাইগৈ'পুম্বা নিম্নরে।
মুংথিল কোরৌহনবসু, নোংচুপ চীংয়া থাংখরে।
যনবী যণনাও খিবিক্লা, মমৈ ফিরান শাহনা,
হম্বা হম্বা খোংহুনা, শরিকী তানবু থারক্রে।
লৌরাংশৃম্বা খিবিকনা, খুজেং পালৌনহুনা,
রাখনচাউবা ঐঙোন্দা, চংলকলিবা অহিংদা,
লৈপাকলৈমা শিম্নরে, অরাবা লম্বী য়াল্লকলে।
নিংথিবা লমদোম খিবিক্লো, অমম্বদা লোংখরে।
মলয়াগী মুংশিংনা, লোইরোই লোইরোই শিংলকলি।
কৌজেং হারৌ মপৈমা, অচিকপা মতম অসিদা
মপুগী কোলোই শকলকলি, লৈনা জগোই শারকলি।
অথাম্না লম্পাক'থক্তদা, উইনা শগুপ শাইমুনা,

য়াওগী শসুনা পোথাদ্রি, খোঞ্জেল ম্বাংনা খোংলকলি।
মাংগী মন্দির মতোন্দা, অথুপ্পা কুঞ্জ মন্নুংদা,
চিকলবা মপান্ন লমদমদা, ইশৌ লাংভি হাঙ্গবগী,
অহিং নিংথৌ মাইয়োকনা, মকুশিংনা রাকৎলি।
মাংগী পামেল উথাদা, অকনবা লৈতেংগাই মরক্তা,
খুজ্জাগী ইপাইপল খিবিরা,
অচম্বা শস্তক মন্নুংদা, কুইনা তুমখোল হুল্লিদো।
অয়ুক্কী নুংশিৎনা য়েবদা, চেকলাগী কোলোই তাবদা,
য়েম্বীনা বাঁশী খোংবদা, বাঁশীখোম্বাং তাবদা,
অচম্বা ফমুং থক্তগী, নাপীগী ফমজাউ নুংদগী
য়াকাইরোন্দি তাবদা নৌনা য়াকাইররোই।
ফুঙ্গা খামরেন থাররোই, লৈমগী সেবা ডাইররোই।
পারি ইমোম কনানা, চুপ্পগী মিহৌ তাল্লরোই।
লৌরাং ফৌদি কয়াদা, থাঙ্গোল ন্যোংথাং কুপখরে
লাঙ্গল য়োৎলম ফান্তনা, পামেল কয়া ফুকখরে।
লনগী মপু ওইরিবা শাবী শানৌ অপুম্বা!
মোংফমসিগী মথক্তা অভৌবা ফুরা উত্রগা
অচৌবা মাগুব মন্নুংদা মিংচৎকী শীংথানদ্রগা,
লমইন পেনা খোংদ্রগা, নোকনবিবা তৌগম্
বিধিনা তুংওইনবনা, লৌশিংগী মিৎমু পাংহৌদ্রে।
লনগী মপু ওইহৌদ্রে, লৈবক্তুনা পেননরে।
সমদ্রু ঈয়াঈ মন্নুংদা, লোন্তনা লৈবা মণিগুম,
শোংলবা নারক মন্নুংদা, লোম্না শাংপা লৈরাংগুম,
উবিনবা লৈতনা, থংবিনবা য়াওদনা,
অরেম্বদা মাংখরে, মতমগী ঈপাক্তা তিনখরে।
লৈবাক রায়েন ওন্দবা, মীথকখংবা য়াকবা,
পলেম পম্থৌ কয়ানা, অচিকপা লমদম অসিদা
ইংনা পোথানহুনা কোলোই নপাউ তাল্লিদো।

খুমন্থুল

২৫। ১২। ২২ ইং

লমগী চেকলা অমদা।

লাঙ্গোই খুকপ থৈন্থুনা   হুংথিন কোরৌহনবনা
নোংচুপ চীংযা ভমথরে।

লাঙ্গোল যোংলম ফাংলম্বা   যোংলৈ নোংথোং শারম্বা
শাবী শানৌ অপ্ম্বা,

লাইজ ইশৌ লাংবদো   মলয়া হুংশিংনাঁ য়ৈবদা,
পুকনিং হকচাং ইংনরে।

অঙানবসু লোইত্রিঙৈ   অমম্বসু লাক্তিংঙৈ
কাওরেন কোঞ্জন মতমদা,

নাইতোম তাবা চেকলানা   গুরু ফাংখোং খেন্তুনা
নৈনা জগোই শারম্মি।

পাঙ্খৌ শুমাং মযাঙ্গদা   বৃন্দাগী খুভম মনাক্তা
কোলোই মপাউ তারম্মি।

চিন্নাইদবী মকপও   ঙাইহাক পুঙ্গোই ঙাইখোও
লমনাইদবী মালংনি।

কনাগী যাথং ইন্দুনা   কনাগী খুথুং ইন্দুনা
নপাম লমদম যৌগবা।

অসি হাঙ্গবিঙৈ মতমদা   নাইতোম পাইবা চেকলাদো
মিংয়েং কারন লানখরে।

ইনুংশোরাবু চংলকলে   যুমগী ফমজাউ কাখৎলে
খোমলেন যাতাগে লাকনখি

নাইতোম পাইবা চেকলাদো   থমোইগী লকা নুং'হুদা
কোলোই মপাউ তাকলকই।

"মপুগী লৈবাকনুং"সিদা   হিরম থোথোক খুদিংদা
পংনা পাল্লি তাইবংও।

মপুগী থৌজান 'ফংহুনা   খুজেংগী পালোইনহুনা
মনাই লমজিং-পাউমেল্লি।

খুবাং চাংজৌ তরানা   মপুগী কোলোই শকুনা
ইনুংঙানবা ঙাইরমমু।

ঐগী চেংলোই তাকলগে,   নৈনা জগোই শারগে,
মপুগী মগুণ ভমলগে।

মোইরাং

২৩। ১২। ২২ ইং।

লৈরাংদা।

চীংদা শাংপা ইঙেনলৈ
চীংয়াদবু কেনখিবা
কন্নকই।

ঐনা কেনগে কেন্দেদো
মালংবনা হুন্নবগী
কেনবনি।

মালংবা ঐঙ্গ কৈদোদে
লৈবাং লৈখোক লোঈবনা
কেনবনি।

ওলাংবা নুমিৎ লোইদরি
নুমিৎনা খাদা লৈদরি
ঙাইখোও।

শিবা ঙাইবা পানবনি
লৈরাং নংগী নতৌগুম
কেনগনি।

কালেন নোংগী মতৌগুম
অয়ুককী লিকলা তাবগুম
মাংগনি।

পংনা পাল্লি তাইবংও
নুংঙাইবা মতম কুইদেদো
খংজোও।

উবিপোক ষ্টুডেন্টস ইউনিয়ান
২৭।৬।২২ ইং

ঈশ্বর।

তেংবানবা অসিদা, য়েংখিবা মাইকৈদা, শংবানবা অতিয়াগী কুপদা
নহাককী থৌজানগী, অঙকপা খুদম্, উৎনা পুকনিংসি পেন্নরি।
চীংখৈনা কুনবদা, নুমিৎনা থোকুনা, তেংবামববু ঙাম্নরি।
নুমিৎনা তাপ্রগা থান্না লাককুনা অহিংগী চাকশিন্নরি।
থাবননা নোকলবা, শংবামবা নোংদোন্দা সনাগী লৈরাংনা শাজোকলি।
লৈরাংগী লৈকাদা, পামেলগী উনাদা ইবুংঙোগী মিংবু ইজরি।
কনাগী খ্রাথংনা নামিবা নুংশিৎনা, শিগুল্লা পুকনিং পেন্নরি।
অমম্বা অহিংদা অঙানবা নুংথিন্দা মপুগী মগুণবু ফোংদোকলি।
কোকিলনা খোংবদা খোইমুনা ঙংবদা, তাবুনা পুকনিং গুম্মংলি।

কনাগী শাথংনা তুরেন্না চেন্দুনা তাইবং খোঁরাংবা কোকনরি।
পৃথ্বীগী পুক্কদা নিজবা পুমনমক কাঙ্গদনা ফংবা ওজরি।
মপুগী খোজাম্না উনবা ফংজরে য়েংনবা রাৎপা লৈতরি।
তেংবানবা অসিদা য়েংখিবা মাইকৈদা শংবানবা অভিয়াথজুনা
নহাকী খোজানগী অঙকপা খুদম উত্থুনা পুকনিং'সি পেরি।
খোজানবা ইবুংঙো। অশাংবা পুনশিগী মিকুপ মিকুপ খুদিংদা
অরাৎপা লৈতবা লল্লেবা ঐখোইনা কল্লি নিকম লৈরিবা
মপুগী খুয়াদা ঈকোকসি নোন্দুনা খুরমবদা ওমজবা
মপুগী মিংফমবু পাপচেনবা চিনসিনা তন্তুনা শোনবা ফংজবা
নিজাগে খুয়াদা তোল্লবা ননাইনা ভক্তিগী লৈরাং কৎচবা
মপুগী লৈবাক্তা, পোকচবা ফংলবা মপুগী শিনবু পাংথুনা
পুনশিগী লানফমদা মাইপাকপা ফংথুনা মপুগী মতিকপু উৎচবা
মৈতাম্না রাখৈবা মতমনা লাকলগা মুংশিবা ঈপাক্তা তিঙ্গবা।

(শিলং)
১৭।১২।১৭ ইং

———

মৈতৈ কবি।

নারক্তা শাৎপা লৈরাংনা
নমবিনবা রাজনা
অরেমবদা মাংখওম;
ঈয়াঈদা লোঙপা মথিন্না
য়েংবিনবা লৈতনা
অরেম্বদা ওানবঞ্জম,
চীংনা কোইনা পংঙাকপা
হাওনা কোঈনা পনশাবা
মণিপুর সনা লৈবাকনা

অরেমবদা ওারুকী
অরেমবদা শাথলমী
খংবিনবা লৈতনা
অসি রাবু খনবদা
অহিং মুংখিজ মনিদা
অরাবনা ফুংবনৈ।
খমোই ঈফুৎ মুংথুনা
গোমুখীগী নাপোমদা
ভাগীরথী গঙ্গানা,

ঈচেন ফাংনা চেনবগুম
মিৎলু নাপোম থুমনজম
তরং লাইজ শিস্থরি।

নচাগী পাম্বোম চাউড্রিডৈ
পলেম মুংশিবা থংড্রিডৈ
ইমাগী সেবা ঙমলমদ্রি।

(পলেম শকপী ইমাও!)
তোল্লবা নচা ঐখোইনা
খুজেং পালোইনদুনা
য়াকাইরোনবু থগ্নগে।

লাইরবা নচা ঐখোইনা
'প্রেমগী ধারা' নুত্তুনা
কৎচনিংঙাই লৈজদে।

পীনবিয়ু ইমাও!
লেংশিনবিয়ু পলেমও
থমোই আসন থক্লুন্দা।

পুনশিগী মিকুপ খুদিংদা
অরা মুংঙাইবা মতমদা
ভক্তি লৈরাং কৎচবা।

লাইররবী ঈরোম্নি
খংদবনা হাঈবনি
মৈতৈ কবি লাকখিনি।

অহিং মমৈ ওইরক্লে,
চিংথৈ ফিতুপ হুল্লক্লে,
কাক্কী লাম্বাও শীল্লনি।

মুমদাংবাইগী কান্দুদা
তময়া কোরি চেনবদা
পুকনিংগী তোর্বানথক্লুন্দা

অশংবা তিংথৌ ময়োম্না
রাথনগী আসন থাহুনা
ঈথক ঈরৈ খুদিংদা

কোর্ব্বাক মাংদা থা
খোরজৈ খুত্তা পাঈ
পলেমগী নিংথিংবা খোৎচিলহৌ।

থাবল্লা ঈপোম হৌরবা
শংবাম্নবা অহিংদা
ইমাগী ফজবা য়েংজহৌ।

পোম্বী য়েংঙি রাস্তেদো
চেকলা য়েংঙি নোম্প্রেদো
কবিনা রাৎপা হৌনদে।

বসন্তগী মতমদা
তময়া পামেল খুদিংদা
তামনা কৌবা চেকলানা,

উফৈ থক্তা খোংলিবা,
কালেন লৈরাং ফজবা
কবি মিৎফমনা য়েংজহৌ।

নারক্তা শাৎপা লৈরাংনা
নমবিনবা য়াওদনা
অরেম্বদা মাংবগুম

ঈয়াঈদা লোৎপা মণিনা
য়েংবিনবা লৈতনা
অরেম্বদা ঙানবগুম

ঈংনা কোঈনা পংঙাকপা
হাওনা কোঈনা পনশাবা
মণিপুর সনা লৈবাকনা

অরেম্বদা ভাল্লম্মী
অরেস্বদা শাৎলম্মী
খংবিনবা লৈতনা।

মৈতৈ'পুম্বা তিননা
পুকনিং অমতা ওইহ্নুনা
মমাগী মুংশিবা খংসন্নু।

পলেমগী সেবা তৌসন্নু
লৌশিংগী থাংমৈ থানসন্নু
মৈতৈ কবি লাকনি।

(Meet a nurse for poetic child)

(মিত্র সমিতি)
উরিপোক।

মরুপ কাঙ্গনবা।

শাৎচরো, ওসি শাৎচরো।
লৈরাং নাইতোম শাৎচরো।
কাম্বী, নমৈ শুল্লকলে, নিংথম মকোক চং-লকলে।
লৈরাং 'পুম্বা কংখরে, শীংঙেনপুম্বা' খমখরে।
লৈরাং শাৎহৌরো।
নাইতোম শাৎপা য়েংলগা শীংমান্নবা উদ্রগা
থমোই লকা'মুংহ্নদা অরাবা মৈনা চাকলকলে
লৈরাং হেকলগে।
মুংশি হৈত্রবা মিৎ'সিনা লৈরাং লৈখোক মথক্তা
গোলাপকী কজবা শকফম্নু, পত্তনা পুমহ্নুনা মাংখিবা
য়েংবা ওমজরোই।
শাৎচরো, ওসিদি শাৎচরো!
লৈরাং নাইতোম শাৎচরো।
কাম্বী মমৈ শুল্লকলে, লৈরাং 'পুম্বা খমখরে।
মপুগী খুৎশেম শীহ্নুনা, পম্বৌগী লৈকোনমুংসিদা
লৈরাং লৈকা চাইথোকে।
লৈরাং শাৎচরো।
পাম্নিংদে, হিংহ্নুনা পাম্নিংদে
মুংশি হৈত্তবা তাইবংদা হিংহ্নুনা পাম্নিংদে

মুংশিবগী শরেংদগী, চান্নবা লৈরাংনা কেন্নথবদা
অন্নাবা মাইথোং উত্তুনা রাবিনবা লৈত্রবদা
হিংতুনা পান্নিংদে।

মরুপ কাঈনবা মৈচাকনা লকান্নংদা চাকলবদা
হিংতুনা পান্নিংদে।

মুংশি হৈত্রবা মিৎ'সিনা তাইবং মোংফম থত্তুদা
মরুপকী ফজবা শকফম্বু, পত্তনা পুমত্তুনা মাংথিবা
মুংঙাইষা মাইথোং উত্তুনা মুঙাইবিনবা যংত্রবদা
খঙ্গবা ঙমজবোই।

শাৎচরো, ঙসিদি শাৎচরো।
লৈবাং নাইতোম শাৎচবো।

কাম্বী মমৈ লাকপদা লৈকোনগী মংলেন্ত'ক্কুদা
তাইবংমীগী মতৌঙ্গম খেকনা নোকপা উবদা
লৈবাং লৈকা চাইথোক্কে
লৈবাং শাৎচরো।

কলিকাতা — কালিঘাট
২৭।৭।১৮ ইং

তামনানা খোংবা তাবদা।

চেকলা নংবু কনানো?
অমৃতগুম্বা খোঙ্গেম্মা তাইবং পুকনিং শুম্মাৎতুনা
মুংঙাইবা ইপোম হৌহন্দুনা
তাইবং তোর্ব্বান থুম্মাম্লিবা।

চেকলা নংবু কনাম্নো?
তাইবং মিৎনা উহৈদবা লাইরৈবাকী উচেকলা?
স্বর্গগী মরী থমনবা
পৃথ্বী'থক্তা লাকপন্না?

হেমন্ত ঋতু লোইরকলে

থাবনন্না ফবনে   মুংশিংনা ইংবনে
রাখনগী ঈপাক য়য়াঈদা
অনৌবা ঈথক হোৌরকলি।

চেকলা নংবু কনানো ?
বসন্তগী মতমদা   তময়া পামেল খুদিংদা
মপুগী কোলোই শক্তুনা
কোকিলগা তেমশিংনরিবা !

শকপিথো, চেকলা শকপিথো
চীংদা খোম্বাং য়ৈত্তুনা   খুকউ তানবু থাত্তুনা
তাজগে, চেকলা শকপিথো
হরি কোলোইবু (চেকলা) শকপিথো।

চেকলা নংবু কনানো ?
তাইবং মিৎনা উরবদি   মাংদা চালি শারবদি
চীংগী উহৈ অথুমবা
চেকলা হেক্তুনা পিজগে।

চেকলা নংবু কনানো ?
তাইবং মীগী খোঞ্জেল্লা   নংগী তংখাই কংতুনা
কোলোই শকপা ভমলবদি
পৃথ্বী পুম্বা ইংগনি।

চেকলা নংবু কনানো ?
তন্তুনা পুকনিং মুংঙাইবা   মপুগী মঙ্গল ফোংদোকপা,
মীগী পাপপু উত্থুনা
চেকলা পাইগ্রবোই।

বিষ্ণুপুর।
৩০। ১২। ২২ ইং

মরৈবাক য়ৌবদা।

ঙসিদি পুনশিগী অৱাবা ইচেন্দা, নুংঙাইবা ঈথকনা হৌরকলে।
গোমুখী' নাপোমদা, গঙ্গানা চেনবগুম, প্রেমগী ধারানা শিন্থরে।
কুইনা নিংলকপা, নুংশিবা লমদম্বু, মাং'সিদা মিৎসিনা উজরে।
ঐহাক্কী তোল্লবা, উনাগী থাংপোকনা, ঐহাক্কী ইমাংদা ঙাম্থোখরে।

থংনবা চেকলানা, উগ্রবা পোম্বীনা, তরামনা নুংশিনা ওকপিরে।
মলয়া নুংশিৎনা তপনা শীতলনা চাকলবা থরাইদু ইংহল্লে।
নেমলবা পাম্বীনা উনানা হুত্তনা কাঙ্গনবা মরূপপু কৌশিল্লে।
ঐহাক্কী তোল্লবা উনাগী থাংপোক্লা, ঐহাক্কী ইমাংদা ঙাম্থোইরে।

অমম্বা অহিংদা, অঙানবা নুংথিন্দা, মাহাকপু কাউজবা ঙমজরে।
মাহাক্লা নোক্লকপা নুংশিবা মীনোকপু ঐহাক্কী থমোইদা য়েকথরে।
ঙসিদি উবদা মাহাক্কী নুংশিবা, বীনাগী খোঞ্জেনবু তাজরে।
ঐহাক্কী তোল্লবা উনাগী থাংপোকন্না ঐহাক্কী ইমাংদা ঙাম্থোইরে।

কুইরবা মতুংদা থাংপোক্তা চংহুনা নুংঙাইনা য়াতাজরগে।
খাইনবা মৈচাকনা কংলবা চীম্বান্দা উনবা মীনোক্তু য়েংজগে।
কাঙ্গনবা মরন্না চীকগ্রবা নাকোংদা তিন্নবা-কোলোঙ্গৈহু তাজগে।
ঐহাক্কী তোল্লবা উনাগী থাংপোকনা ঐহাক্কী ইমাংদা ঙাম্থোইরে।

লোইরবা

কোঙখ্রবা লাইরিক

কান্নবা ৱা

শ্রীখাইরাকপম চাওবা সিংহনা লেখবা।

Printed at the State Printing Press,
and
Published at the State Library.
Imphal.
1931.
First Edition.

ৱাহৌদোক

ক্লাশ মঙা তঙ্কক্তুবগীদমক আসাম টেক্‌ষ্টবুক-কমিটিনা যাৱিবা লাইৱিক পুম্নমক্কগী মৈতৈ মচাদা কান্নগনি হায়না নিংঙবা ৱারেং খবদং খৎতুনা লাইৱিক মচা অসি লেংঙ্গে। ভরতনা ময়াম্বনিংবা অহুগা হজরত মহম্মদ হায়বা বারেং অনি অসিদি শ্রীপ্রাণকুমার গুহগী লাইরিক অমদগী লৌথৎতুনা ভাবার্থ অনুবাদ তৌবনি অমসুং মৈতৈমচাগী মতিক্কচানবা ওয়ৌক্কুনা শেম্বতনি ; মরম অদুনা কবি অসিদা তৌবিমল খংবা উৎচরি। তস্নদা থুদোংচানবগীদমক মরক মরক্তা ৱাহংসু থেৎচিল্লে। লাইরিক অসিনা ঐনা তমজরিবা অঙাংশিংগী খবদং কান্নবদি নোমজবা মহৈ যাম্ল হায়ত্তনা হবাওজগনি।

ইতি

দি বেঙ্গলি স্কুল
২০।৮।২৪ ইং

শ্রীখোইবাকপম চাউবা সিংহ

জননী জন্মভূমি চ স্বর্গাদপি গরিয়সী

কান্নবা বা

লৈপাকলৈ

ওলাংথাগী লৈপাকলৈ,
খারুদনা হৌরকপী,
মিংথিজৈ।

তাইবংপান ওন্নবী,
শীংঙেন-লৈরাং ফজবী,
করিনো।

নমান্নবা লৈরাংনা,
মপাল মউ ফারগা,
শাৎলকই।

নংদি হান্নবা শাৎলগা,
কোম্না মনা চোংলিবা,
করিনো ?

লৈয়াং নংবু করিনো ?
অনৌবমক্কী মশকলা
খংনিংই।

অরেম্বা মনা থমলগা,
কান্নবা মপান শাৎকনি,
তাকপন্না ?

তাও লৈরাং নিংথিবী।
চিন্নাঙদবী অক্কপলোই,
হাঙবিন্নু।

কালেন তেম্পাক অকনবা,
কন্নি থুংলাইনা থিঙাঙবা,
খংনিংই।

বক্তুমকনা ঙমদ্রিবী,
লৈপাকলৈমা অসিবু
ঙম্বিবা।

ভক্তিগী য়েকনবা লৈতবোই,
জোগাই মাধাইগী মতৌগুম,
ওন্নবা ?

পৃথ্বী মাতা কৌবীনা
মাহু উৎকে, হাঙইহুনা,
য়াবন্না ?

লৈয়াং নংবু মেৎলগা
নংগী মাদি নিংশিংদ্রে,
খল্লকই।

মপুগী লীলা অঙকপা,
উৎকে হাঙনা তৌবন্না,
খংনিংই।

কলিকাতা।
২০।৯।১৯ ইং।

মপামমা অমস্তুং মচিনমনাওদা চংকদবা লমচং।

ইপাইমা ইচিন-ইনাওদগী হেন্না সুংশিফম থোকপা অতৈ কনা লৈবগে? পোকপদগী মাখোইগী সুংশিবা অসি মীওইবা অপুম্বদা পুন্দুনা লাকলবনি; পোকপদগী ইমাগী তম্পাক্তা ওন্দুনা, ইপাগী খুকউ কোন্দুনা ইচিন-ইনাওগা তান্নহুনা চাউরকলবনি। মরম অসিনা হাঙ্গিহ্যু মাখোইদগী হেন্না সুংশিফম থোকপা অসি অতৈ কনা লৈবিবগে? ইশাগী চাওখৎপা ফংলগা ইশাগী মথেন ফারগা ঐগী তৌগদবা লোইরে হাঙ্গনা নিংবা অসি লাল্লি; নংগী নশাগী হোৎনবগা লোঙ্গননা নংগী ইমুংগী নমানপা নচিন-ননাওগী মরমদস্থ খন্দবা যাদে। মাখোইদা করম্না লমচংব্যবহার চংবদগে হাঙ্গবা অদু নংগী অহানবদা থন্দুনা যেংগদবা অমস্তং তনগদবা হিরমনি। নত্রবদি নংবু শানি হাঙ্গবদা করি লানবা লৈবগে? হাজংচাবা ষণদনা, নমলক্কী শাদনা মপামমানচিংবদা থকসি-খাসি নাইদবনি। মাহু লৈবদগী মীওইববু মী হাঙ্গবনি।

ইপাইমানা ঐখোইবু পোকপিবে, মাখোইগী থোজান্না তেংবানবগী নিংখিবা পুমনমক মিন্না উজবে, ঐখোইনা নহা ওইরিউং, ইশানা থোউমদ্রিউদে। মাখোইনা ঐখোইগী অন্নাংপা পুমনমক মেনশিনবিবে; ইমাগী খোমলাং থক্কুনা ঐখোইগী হকচাং অসি মপুং ফাবকলে; ইপাগী থোজান্না ইহৈইশিং তমহনা মীরক তিঞ্জরকলে, নাবনদা অহিং মিশেংখাংহুনা লাঙ্গকন্নবিরকলে; অহিং শংথিল নাইদনা পুকচেনতিংনা তেংবানবা শেম্বা মপুদা ঐখোইগী যনবত্তা নিবিবি, অদুদা মচা ঐখোইনা অদুগুম্বা ইপাইমা অদুদা নত্তবা লমচং চংলবদি মাহুদগী হেন্না পাপ চাউবা থবক অমা লৈবগা যাই হাঙ্গবা অসি ঐখোইগী বাখল্লা লাম্বা ফংদে। ইমাগী খোমনামগী লমনাশিংবা ধর্ম কর্ম্ম অমা লৈতে হাঙ্গবা অদু অচুম্বনি। অদুগুমহুনা ঐখোইনা ইপাগী পান্থোমগী লমনস্থ তোন্দুনা লৈববনি। মাখোইনা সুংশিবিবগী লমন্দি শিংবা ওম্মরোইদবনি হাঙ্গবদি চুম্মি; অদুমওইনমক ঐখোইনা মাখোইগী মফমদা ঐখোইগী পাঙ্গলনা ওম্বনথে তৌহুনা ভক্তি, সুংশিবা উৎপা, ফজবা লমচং চংপা, ফজবা মাইহিং ডাংবা অসি মচা পুমনমক্কীমক তৌদবা যাবা থবক নত্তে। পোহুনা পমহুনা যোকপিবকলবা মমামপানা ওম্মক্কবদা, শোল্লকলবদা অতৈমক ওমত্রবস্থ পোহুনা পমহুনা সেবা তৌবনা মতিক ওই।

অদুমনা মচিন-মনাওগস্থ অমগা অমগা সুংশিবগী থৌবীনা পুন্দুনা লৈরবনি, পোকপদগী মাখোইগা লোঙ্গননা চামিনথকমিননরকলবা, মাখোইগা লোঙ্গননা শারমিন্নরকলবা, ইমুং অমত্তদা য়োকমিন্নরকলবা, ইমাইপা অমতগী সুংশিবা মাঙনা ফংমিন্নরকলবা মাখোইগী অমস্তং মাখোইবু সুংশিবা অসি ঐখোইনা ককথৎপা ওম্মরোইদবনি, অমস্তং ককথৎপস্থ চুমদবনি। ইমুংমস্থুংগী মচিন-মনাওনা অমগা অমগা ফজবা লমচং চংনরবা, অমগা অমগা সুংশিনরবদি ইমুং অদু ইংনা মরাতপা পানবা থোইনা লুবা থবক নত্তে। অদু নত্তদনা অমগা অমগা থংনবা, অমগা অমগা সুংশিনদহুনা

কন্নক-য়েংশীনরবগি ইমুং অহু তপথবা লৈত্রবা শা য়োকলংগা মায়ৈ হাঙীবা অতুনা কন্নি, চিংনফম লৈবগে? অহুম তৌরবদি নংগী মুংশিরবা নমা নপানা নখোইগীদমক কয়াদা রাগবা হাঙীবা অহু খন্দুনা য়েংউ. মীনম্ব অহুগুম্বা মচাশিং অহুবু মুংশিবদি থম্ব থমজো, মাখোইবু খোইনা তুকচনে অমসুং মাখোইগা তিন্নজনবা লাকনগদবনি। অহুমনা নহা ওইরিঙৈদা থাঅবা কন্নক-য়েকনবগী রাখোক লাম্বোকনবগী মক্ক অহু মমৈদা লাকদৌরিবা পুনশিদা য়ুমগাঈবা অমসুং খংনচৈনবা অফিবগী শকফম ওইরকনি হাঙীবা অতুদি হাঙীতুনবু অরেম্বনি। মরম অতুনা অঙাং ওইরিঙৈদগী খ্বাইনা মচিন-মনাও পুমনমক্তা নোল্লুকপা, ব্যবহার ফজবা, অমগা অমগা মুংশিনবা তম্বনা মতিক ওই। অতুতদা মতুংদা মপানগী মী অতৈদম্ব অতুগুম্বা লমচৎ চৎপা ঙমতুনা থাগৎনফম ওইবা ঙমগদবনি।

অচুম্বা ঙাংবা জর্জ ৱাশিংটন।

জর্জ ৱাশিংটন্না নহা ওইরিঙৈদা নোংমা মপানা মাঙোন্দা খৌরবা শীংজং অমা পীরম্মি। ৱাশিংটন্না মপাগী হৈকোন্দা চংশ্রতুনা মপানা পীরকপা শীংজং অতুগী মখৌ য়েংনবগীদমক অঙাংগী হৌনবী মতুংইন্না মপানা লুনা য়োকলবা উ অমদা য়াল্লুরে। মাহাকনা লুনা য়োকখৎলবা উ অতুনা কংবা উরতুনা ৱশিংটনগী মপানা য়ামনা শাউরতুনা মনাইশিংদা কনানা উ অহু থাংনা য়ানবগে হাঙীতুনা হংলকই। মনাইশিং অতুগী মরক্তা থংবম্ব য়াওইদি হাঙীববু জর্জবু য়ৈবিরগনি হাঙীবগী কিবনা কনাম্ব খুমদোকপা ঙমদ্রে। মাহু উরতুনা মাহাকনা মনাইশিং অতুনা য়ামনা চৈ-থাংবা হৌরকলে।

জর্জ ৱাশিংটনম্ব লাইগী নোাদমনা মকম অতুদা লাকলম্মী। মাহাকনা মপানা শাউরিবা অতুগী মরম খংলতুনা মখোং ময়াদা শীংজং অহু থমলতুনা হাঙীরকই "ঈপা ইবুংঙো! নংগী তৌরবা নচাগী খবকনি; মীনাইশিংগী মরাল লৈতে; মাসিগীদমক দণ্ডি পীবিগদবা লৈরবদি এনা কংফম থোকই।"

অঙাংগী মচিন্দগী অতুগুম্বা অচুম্বা রাহে অহু তাবদা য়ামনা মুংঙাইশ্রতুনা মপানা জর্জবু মতম্বাক্তা পমথংলতুনা চুমতুনা হাঙীরকই "ইবুংঙো! নংগুম্বা অচুম্বা রাঙাংবা মচাগী মপা ওইজতুনা এনা ঙসি মুংঙাইরিবা অসি অসিগুম্বা পাম্বী লিশিং অমা মাংতুনম্ব মাংফম লৈতে। নংনা ঙসি করিম্ব লৈতবা হিরম অসিদা খৌনাফবা উৎলিবা অসি নপুনশিচুম্বা থমোইদা য়েক্তুনা থম্বা ঙমলবদি নোংমা শোঈদনা নংনা লৈবাকী অচৌবা থবক অমা পাংতুনা অমাং-অতা লৈত্রবা মিংচৎ ফংবা ঙম্মনি।"

মপানা পীথিবা বর অহু ৱাশিংটন্না কাঙদনা ফংখি। মাহাক্কী মথৌনামক্তনা আমেরিকাগী ইউনাইটেড ষ্টেটনা মনিংমখা তম্বা খুভম ফংবা ঙমখি। অকনবা আমেরিকাগী লাম্না লোইহনা লৈবাক ঙাকপগী হিরম খন্নরকলবদা জর্জ ৱাশিংটন্না মাগী জাৎ অপুম্বগী লুচিংবা ওইহনা অচুম্বা থবক্তা কিদবা অমসুং ঈচং থৌবনা কাম্নবগী মরমদা নিংথিবা খুদম অমা ঐখোইদা পীনবিরমলে।



নিংথৌদা চৎকদবা লীচৎ

নিংথৌ হাঙবা অসি মশকপানবা ঈশ্বরমকনি হাঙহনা হিন্দুগী লাইরিক পুম্নমক্তা হাঙরি ঐখোইগী অহল্লমন পুম্নমকনা নিংথৌ হাঙবা অসি বিষ্ণুমকনি হাঙনা থাজে। মাখোইনা তাকপি ইপা-ইমা, ওজা অমসুং নিংথৌ হাঙবা অহুম অসি ঐখোইগী খ্বাইদগীসু হেন্না ইকাইখুম্নবা অমসুং ভক্তি তৌনফমনি। ইপাইমানা ঐখোইবু পোকপিরিবনি; য়ামনা বানা য়োকপিথাকপিরকলবনি। তম্বিবা ওজানা ঐখোইবু লৌশিংগী মিৎ পাংথোকহল্লিবনি। অহুগুমনা নিংথৌনা লৈবাক মরাতপনা থম্বিহনা ঐখোইগী য়ামনা কাম্নবা তৌবিরি। নিংথৌনা লৈবাক্তা অফবা নিয়ম চৎহন্নবা অমসুং লৈবাকপু ঙাকপিন্নবদা লৈবাক্কী করম্বা অবস্থা থোক্কবা হাঙবা অহু খন্দুনা য়েংবনা চুম্মি। মরম অহুনা অহুম অসিদি ঐখোইগী লাইনি। মাখোইবু ইকাইখুম্নদ্রবা অমসুং মাখোইদা মতিকওকপা ভক্তি তৌদ্রবদি ঐখোইগী পাপকী মশকওইবা থবক তাগদবনি।

নিংথৌ হাঙবা অসি মীওইবগী জাৎকী পুন্না তাবা য়ানবগী থৌরী কোঙ্গোইগুম্বনি। লৈবাক্তা নিংথৌনা লৈত্রবদি নিংথৌ পান্দবা লৈবাকুম্মি হাঙবা অহুনি। লৈবাক অহু মরাতপনা মথং-মনা নাইনা পানবা য়ারোইদবনি। মহাভারত্তা হাঙরি— নিংথৌ লৈত্রবদি প্রজা পুন্নমক মনিং তৌহন অমগা অমগা খৎনবা, চৈনবা, ৱাথোকপা অসি তত্তনা থোক্কদবনি অমসুং অহুম তৌহনা লৈবাক অহু মাংগদবনি। মাসি ইচুমচুম্বনি। নিংথৌ হাঙবা অসি লৈবাক ঙাকনবা অমসুং প্রজাশিংগী লৌউবা, মহৈমশিংতম্বা, অমসুং লাল্লোলইতিকপা পুন্নমক চাওখৎনবগী থৌগৎপিবনি। প্রজাশিংন য়েক্লতিংখং লৈতনা ধর্ম্ম তৌবা ঙমলিবা অসিসু নিংথৌগী থৌজান্ননি।

নিংথৌনা ঐখোইদগী খাজানা লৌখৎপিহনা মাহনা লৈবাক্কী কাম্নবা থবক তৌবা শীন্নবি।— লম্বী থোং শেম্বা, লৈবাক্কী অভাংশিংগী মহৈমশিং তমনবা শীনবিবা পুম্নমক অ নিংথৌনা প্রজাদগী লৌখৎপা খাজানা অহুদগী চৎহন্নবি। হুরানবা ডাকুলচিংববু লাকুনা প্রজা লনখুম পুন্নমক ঙাকপিরি। লৈবাকনা ইংনা ধর্ম্মতৌবা ঙমলিবা অসি নিংথৌগী থৌজান্ননি

লৈবাকপু ইংমা থম্বা য়াম্বা, ফজববু লাকনবা, অফববু য়োকনবা, মীরৈবাকী মীনা লৈবাকী মাংনবা তৌবা ওমদনবা পুমনমক নিংথৌনা শীনবিরি। অসিগুম্বা লাইগী মশক ওইরবা নিংথৌদা ভক্তি লৈতবা মীশিং অতুদি য়াম্না তোল্লবা মীনি।

———

তোল্লবা জীবশিংদা চংকদবা লমচং।

জীবদা থোজানবা হাঙবা অসি ঐখোই হিন্দুধর্ম্মগীদমক নত্তনা পৃথিবীদা লৈরিবা ধর্ম্ম পুন্নমক্কীমু মরুওইবা মন্ত্রনি। ঐখোই মীওইবা অপুম্বগী তৌগদবা থবক অসি অহুমথোক্না থাঙবা য়াই।—মশাগী তৌগদবা, অতৈদা তৌগদবা, ঈশ্বরগী মফমদা তৌগদবা। অতোপ্পদা তৌগদবা হাঙবা অসি ঐগী জাৎ ওইবা তাইবংমীদা তৌগদবা হাঙবতা থংনদে। শা-উচেক তীন-কাংনাচিংবা জীব পুমনমক্কসু ঐখোইগী তৌগদবা লৈরি। অসিগুম্বা জীব অতৈ অতৈ অসিগীসু ঐখোইগী লৈবগুমনা অন্নাবা অনাবা থংনবা পাঙল লৈ। ঐখোইদা কনাগুম্বনা অন্নাবা অনাবা পীরগা ঐখোইনা মুংঙাইতবগুম্না তোল্লবা জীবশিংদা ঐখোইনা পীরম্বসু মাখোইসু মুংঙাইতকম থোক্কই হাঙবা অসিদি ইরাঙলাঙনা থংনরবা য়াম্নি। মরম অতুনা নশাদা তৌহন্নিংলবা থবক অতু নংনা অতোপ্পদা তৌরুবা চুমদে। মাসি হৌনবিদসু কাঙবা, ধর্ম্মদসু কাঙবা থবকনি। জীবদা থোজান-হৈতবা মীশিং অতুদি ধর্ম্মচেনবগী খুত্তম ফংবা মতিক ওইদে; অওইবমক মাসি ধর্ম্ম পুমনমক্কী মরু ওইবা মন্ত্রনি। বৌদ্ধধর্ম্মবু মী অমত্তনা তাথীনদবা করিননো? মরম অতৈ কনা লৈতুনসু ঐখোইনা হাঙনিংই মাগী জীববু হিংসা তৌদবা (অহিংসা পরম ধর্ম্ম) হাঙবা অসিনা মাগী মরুওইবা মরমনি।

মী নত্তবা জীব অতৈবু তোল্লবা জীব হাঙবা অসি ঐখোই মীতনা থোনবা মিংকমনি। মীওইবা হাঙবা অসি য়াথন চাউবা জীবনি। মাখোইগী থৌরবা লৌশিংগী মমাংদা জীব পুমনমক মাখীরে। শামুনা চাউই, কান্নদে; কৈনা থৌই, চংনদ্রে; উচেকী মশা পাল্লি, চেন্নকম লৈত্রে; ঙানা ঈশিংদা লোৎলি, লান্নকম লৈত্রে; জীব পুমনমক মীগী মখাপোনবা তাগ্রে, মীনা জীব পুন্নমক্কী মরক্তা নিংথৌরেলগী ফম্বাল তোংলে; মরম অতুনা মীনা জীব অতৈবু তোল্লবা জীব কৌই। অমরোমদা চুমদে হাঙবসু ঙমদে। মীওইবনা জীবগী মরক্তা মকোক থংবগুম থোক্লে। তৌইগুম্বসুং মাসি ঐখোই মীনা থোঞ্জবনি, কদাইমথৈ অচুম্বনো হাঙবা খংনবা পাঙল লৈতে। মরমদি জীব অতৈ অসিদি য়াঙাংবা থোক্লে। মাখোইনা য়াঙাংবা থোকঙমলবদি মাখোইনা ঐখোইদগী করি করি অমুক থোইদোকপগে নিঙাই তৌনবসু য়ারমগদবনি। মাদ থোক্লে; কনাগুম্বা য়ায়েনবা মীসু নত্তবা জীবশিং অসিসু নত্তবা তাইবংমীগা লেংবা ওইবা জীব

অমনা হাঙৈরমলবদি থোইনা ক্নয়মগদবনি। অদুগা মীবুস্ তেম্বিবা, জীবশিং অসিবুস্ শেম্বিরম্বা তেংবানবগী মপুগী মফমদদি মাখোইগা ঐখোইগা খেন্নরমগনি, মপুগী মীচং মীথাই নাইত্রবা মফম অদুদা মীনা মাখোইদগী হেন্না মপুগী থৌজাল ফংলমগনি, পিকলবা ককচেং, ছুমিংকী চিঞ্জাক য়ৌনা পীবিরিবা ঈশ্বরনা মাখোই অসি মীওইবগী শাম্নপোৎ ওইহল্লমগনি হাঙবা অদুস্ ঐখোই ইশানক লৌশিংনস্ লাম্বা ফংদে। ঐখোইনা থাজে— তোল্লবা জীবশিং অসিগী মফমদা হুংশিহৈতবা লমচৎ চৎলবদি পাপনি; ঈশ্বরগী মফমদা মতিকওকপা দণ্ডি ফংগদবনি। অতৈমক থংত্রবস্ ঐখোইনা মাসি ফত্তবা থবকনি হাঙনা য়ানিংঙি। অঙকপবু— শিংলে, হৈরে হাঙইদুনা নাপল তৌরবা ঐখোইনা মাসি থংনা থংনা মতম অয়াম্বদা কাউথোকই। ঐখোইগী ৱাখল অসিবু মপুং ফাজ্রি হাঙবা লানব্রা ?

মাসিনা লাইরমালনগী ৱানি। মীরমলেন্দস্ তোল্লবা জীবশিং অসিগী মফমদা হুংশিহৈতবা লমচৎ চৎলবদি অমাংবা য়ামনা লৈরি। মাসিনা ঐখোইগী লমচৎ মাংনবগী মশক ওই। মাখোইদা হুংশিহৈতবা লমচৎ চৎলুবদগী ঐখোইগী থম্মোইগী হুংশিবা, থৌজাল, ভক্তিনচিংবা মীওইবা ঐখোইগী নাপল তৌনকম ওইহরিবা নিংথিবা পুকচেল পুমনমক মাংখি। মাসিদগী ঐখোইনা ঐখোইগী জাৎকী মফমদস্ হুংশিহৈতবা ভম্মি অমস্তুং মথলমথা অয়াম্বা ফত্তবা থবক তৌবা হৈনরকই। হাওনাইশিংগী নত্রগা শায়োনবা মীশিংগী মচৎ-মতৌ মুন্না য়েংলবদি ৱা অসি অচুম্বনি হাঙবা থংবা ঙমগনি। ঐখোই মীনা ঐখোইগী খুদোংচানবগীদমক যণ শাগোম্নচিংবা য়োকই। মাখোইনা ঐখোইগী কয়া কাম্নবগে হাঙবা অহুদি হাঙইদুনবু অরেম্বনি। অহুনা মাখোইগী চাব-থকপা, লৈননথা য়ুমনচিংবগী মরমদা চেকশিনবা অসি ঐখোইগী তৌগদবমকনি; নত্রবদি য়ামনা তৌবিমল থংদবনি। গাডীচৎপা মীশিংনা যণবু শীজিন্নবদি থ্বাই পুমনমক উররিগনি— মাখোইবু শীজিন্নবগীদমক লোইবনি হাঙবা চুম্মি; তৌইগুম্বস্তুং মাখোইবু মপাঙ্গলদগী হেন্দোকনা শীজিন্নবা চুমদে। শীজিন্নবা মভুংইন্না মাখোইবু পীজগনি শিংপিগনি নানবিগনি, মতিকওকপা 'যত্ন' তৌবিগনি; নত্রবদি য়ামনা হুংশিহৈতব অমস্তুং তৌবিমল থংদবা থোকই।

ৱাহং পরেং

১। মপা মমাদা মচা ওইবশিংনা করম্বা লমচৎ চৎকনি? মরমগা লোঈননা ইউ।

২। জর্জ ৱাশিংটন হাঙবা অসি কনানো? মাগী ৱারী তমলগা করি পাউতাক ফংবগে? মা মরমদা থংবমখৈ হাঙীয়ু।

৩। তোল্লবা জীবশিংদা করম্বা লমচৎ চৎপা হোৌনৈ? মরমগা লোঈননা হাঙীয়ু। শা উচেকনচিং ঐথাইনা তোল্লবা জীব হাঙবা করিগীনো?

৪। মচিন্নমনাওদা করম্বা লমচৎ চৎকনি।

হারৌ অমস্নুং ককচেং।

(পেম্মা য়েলহৌকবী য়াঙ্জেন তোলোই য়েংনশি)

অপংবা হাবৌ অমনা লাঙ্গফৈরেন চুপনা
মুন্ডাইবা কোলোই শক্তুনা, মতম লেনবা
লোইবগা, নিংথম চংলকলবা মতমদা
উম্না কুপ্পা লৈপাক্তা চিঞ্জাকী মবিকনা
তাত্রবা, পামেল উফৈ থকতুদা
হৈবাং লৈরাংনা খমখ্রবা, অরাবগী
মতম লাকলগা, অগ্রাতেংথাবা হৌরকই।
চাদবনা লামবনে, নিংথমবনা নিকপনে
চরাঁমওং নিহুনা নোংলেননগে নিংহুনা
ককচেং তমনা চংলকই। "পীত্রবস্থ পুরকে
হায়ে, তননা শিংজিনগে।" "ঐখোই ককচেং
অসিদি, মীগী পুবস্থ পামজদে,
পাথাকপস্থ হৈজদে" মুন্ডাইবা কাম্বী
অশাংবা, ইশৈ শক্তুনা সেল্লকলে।
হৌজিক নিংথমথাসিন্থ, জগোই শাহুনা
লেম্ণোকউ। শূদনা লেনগে নিংবদো
চাদনা পানবা তম্মোখো। নখোং চোংলে হাউরগা
নচিন চোংপা যংবনি; বাদনা হুংঙাইবা লৈব্রা?

বাহং পরেং

১। বাক্যং অসি পারগা করি পাউতাক ফংবগে? ককচেং অমসুং হারৌগী বারী হাঈয়ু।
২। অর্থ হাঈয়ু:— পামেল, হৈরাংলৈবাং, নোংলেনবা, কোলোই, কাম্বী।

নুমিৎ

নুমিৎ হাঙৈবা অসি করিনো ?— ঐখোইনা নোংমগী কাঙৈদনা উরবা নুমিৎকী মরমদা করিস্থ খংদবা অসি অওইবমক ইকাইবগী পোৎনি। ঐখোইনা খংঙি, নুমিৎ হাঙৈবা অসি লাইনি, শগোল অরাংবা অমা তোংঙিং মাহাকনা মপুগী রথং মতুংইন্না নোংছেক ডানবদগী শগোল তোংদুনা পৃথিবী অপুম্বদা মঙাল য়েল্লগা অহিংদা নোংচুপকী চীংদা পোখাই। অতৈ করিস্থ নত্তে, লাইনি, ফজরবা মীগুম্বনি। সৌবোল লাইরেম্বগী লৌতাবদা য়াওরিবা অহুনি, লংনবা হৈ, করেমনবস্থ হৈ। করিস্থ নত্তে, লাইনি।

তৌইগুম্বস্থং মাসিদি থাইনগী য়ানি। থাইনদি লাই ওইরমলবস্থ হৌজিক্তি নুমিৎ হাঙৈবা লাই অসি বিজ্ঞানগী লাংদা থুরে। বিজ্ঞানগী মহৈনা চমলে; নুমিৎকী লাই ওইবা তোকলে। তৌইগুম্বস্থং তৌবিমল থংবগী মশকওইনা মাহাকপু খুরম্বদা করি দোষ লৈবগে ? অদোমদা পারবদি ঐখোইনা নিত্তিগী নুমিৎ হাঙৈবা লাঙৈগী মফমদা খুরুম্বা, ঈশিং খুজোক কৎপা মতিক ওই। নুমিৎকী মঙাল, নুমিৎকী মৈশা ফংদ্রবদি পৃথিবী অসিদা মী শানচিংবা জীব অমতস্থ হিংদনা লৈবা ঙম্মোইদবনি। উ বানচিংবা লৈপাক্লগী হৌবা পাম্বী অমতস্থ লৈরোইদবনি। থা, থরাম্নিচাকনচিংবা অমতস্থ অহিংগী অতিয়াদা শাকাঙৈরোইদবনি। অসিনচিংবা থল্লুরবদি মাহাকপু ঈশ্বরগী "অংশ" অমনি হাঙৈনা নিংনরম্বদা করি লানবা লৈবগে ?

বিজ্ঞান্না ঐখোইগী ধর্ম্মগী লাইরিকপু অস্থমনা মাংহল্লি। বিজ্ঞান্না হাঙৈ, নুমিৎ হাঙৈবা অসি লাইস্থ নত্তে, ফজবা মীস্থ নত্তে; পাকচাউরবা মৈ মতুম অমগুম্বনি। মাসিদগী অতৎপা লৈতনা মাইকৈ মরিদা চাকলবা মৈশা থোকই। নুমিৎপু ঐখোইনা পিকলবা পুখমমচা অমগুন্না উই। তৌইগুম্বস্থং মাসিদি চাউরবা পোৎনি; ঐখোইগী পৃথিবী অসিগুম্বা লক্ষ ১৩ চাউরিবনি। লাপমনবা মরমনা পিকনা উবনি। সৌবল লাইরেম্মগা বারীশাবা য়ানা নকনা চৎপা পোৎ নত্তে। নুমিৎ হাঙৈবা অসিদি ঐখোইদগী মাইল কোটি ৯ দগীস্থ হেন্না লাপ্লিবনি।

ঐখোইনা পৃথিবী অসিদা লৈদনা অস্থপ লাপনরবা অসিমক্তদা ওলাংথাগী নুমিৎকী মৈশা থাংবা ঙমদ্রি। থল্লুনা য়েংঙ, নুমিৎ মনাক্তা চৎলুরবদি কয়াগী মতিক শারমগবা। পণ্ডিতশিংনা হাঙৈ— ঐখোইনা ফংলিবা অসিদি নুমিৎকী মৈশাগী কোটি চহুমলোমগী শরুক অমতনি। অস্থমনা নুমিৎ হাঙৈবা অসি মতম চুপ্পা চাক্তুনা লৈরিবনি। মাগী মৈরীনা মাইকৈ মরিমক্তা কাপথোক্তুনা লৈরিবনি।

ঐখোইনা কান্নগদবা রা অমতং হাঙৈতুনা হন্নকী রারেং অসি তেনশিন্নবা তৌল্লগে। অসিদগী হেন্না খংনিংবা অরুবা পুন্নমক বিজ্ঞান তমলগা খংবা ঙমগনি। ঐখোইনা নিংঙি, ঐখোইগী পৃথিবী অসিদি লেংদে, নুমিৎনা অতিয়াদা শগোল থৌরতুনা পৃথিবী পুমনমক্তা মঙাল য়েল্লিবনি তৌইগুম্বস্থং মাদ নত্তে। ঐখোইনা ভূগোল তম্বদা য়াওরিবা অদ অচুম্বনি।

শ্রীরাম অমস্থুং স্মারণ।

খুংলাই চৈনাখোম্না লৈপাক'থক্তা ওন্দুনা
স্মজীং তাবগুম ঙাম্মোইরি।
মাহাক্কী মগুণ তাবদা মরোল অহুম নিকলবা
লঙ্কাগী রাবণনা ওম্মোইরি।
('রাবণনা তুবা উত্নুনা ইবুংঙো শ্রীরামচন্দ্রনা
লক্ষ্মণগা লোঈননা লেংশিল্লি।
মনাঙ্গী রাবা উত্নুনা য়েকনবা পুম্বা কাউত্নুনা
তরংগী লাইজা শিনথরি।
মাইথোং থাবু উত্নুনা খুরা থম্বান তমত্নুনা
রাবণনা শ্রীরামদা হুঙংলি।
তাবিয় ইবুংঙো রঘুপতি ননাই রাবণনা মাংবদি
কত্তবা থবক্কী মহৈনি।
সতী ওইবী সীতানা মিংকী পি শিনথবনা
লঙ্কানা খুন্তাকনবনি।
ইগুণগী নাপল তৌদনা নত্তবা ধর্ম্ম চৎতুনা
শাগৈ তুমনা মাংনরে।
চরণখাবু তমদনা খুবাং চাংজো তরানা
ঙাকপিববু নিজরি।
জানকীদা তম্বিয়ু পাপচেল্লবা রাবণবু
থৌজানবিদনা ঙাকপিনি।

রামায়ণ

বাহং পয়েং

১। রামায়ণগী বারী শমনা লীয়ু।

নোল্লুকপা।

সার আইজাক নিউটণ

অচম্বা মীওগী য়াম্না মহৈমশিং হৈরবা অচৌবা মীনা থোইনা নোল্লুকপা উই। থন্দবা চফুনা মখোল হৌই হাঙ্গদ্না চাউথোকপদি অতোনবগী থবকনি। সার আইজাক নিউটণগী মপাল-নাইদ্রবা মহৈগী রা তাঁরবদি নখোইনা ওকনি; তৌইগুম্বসুং তেংবানবদা মাহাক্না চাউথোক্কবা মীনু য়ামদে। মাহাক্না নহা ওইরিঙৈদনা অওক অওকপা খুজুখুৎলাইনচিংবা শাহুনা মী পুম্নমকপু ওকহনবা ওমখি।

মাহাক্না মতুংদা ঈশিং, নুংশিৎ, নুমিৎ, থা, থরাম্মিচাকনচিংবগী অওইবা থংনবগীদমক লাকনরম্মী। নোংমা মাহাকনা হৈক্রাম ফমলিঙৈদা হৈতুপ অমা পাম্বীদগী তাবা উরে। থুদক অহুমক্কদা মাহাক্না থল্লকই হৈনা মথকলোমদা পাইখৎখিদহুনা লৈপাক্তা তারকলিবা অসি করিগীনো? মতুংদা য়ামনা থল্লবা মতুংদা মাহাক্না থংবা ওমলে, পৃথিবীগী চিংশিন্নবগী পাঙ্গল অমা লৈ, মাহুদনা পোৎ পুমনমক্না লৈখা তমলিবনি। নিয়ম অসিমক্তনা নুমিৎ, থা, পৃথিবীনচিংবনা মাগী মাগী মফমদা তোঙান তোঙান্না থাপনা থাপনা লৈনরিবনি। নিউটণনা ফোংদোক্লিবা অওইবা অসিনা বিজ্ঞান তত্বগী মরমদা কদাইমথৈ কান্নবগে হাঙ্গৈবা অহু লৌশিংশিংবা মী পুন্নমক্না থংহুনা হৌজিক ফাওবা মাহাক্কী মগুণ শক্লরি।

মহৈ হৈয়দা ফাওবগুম্না মাহাক্কী নিংথিজরবা গুণ অমসু লৈরম্মী— মাদদি নোল্লুকপা। মাহাক্কী নিংথিজরবা রাহৈ অমা হৌজিক ফাওবা পৃথিবীগী মী পুন্নমক্না কাউনবা ওমদ্রি 'ঐহাক্তি লৌশিংগী ঈপাক্কী তোর্বান্দা নুংজেং থুনবমখৈতনি। মপালনাইদ্রবা মহৈগী ঈপাক্তি মাংদা লেংদনা লৈরি-—

ৱাহং পরেং

১। নুমিৎ হাঙ্গৈবা অসি নখোইনা করিনি হাঙ্গনা নিংবগে? নুমিৎকী মরমদা থংবা বিজ্ঞানগী রামথৈ হাঙ্গয়ু।

২। সার আইজাক নিউটণ হাঙ্গৈবা অসি কনানো? পৃথিবী অপুম্বা শীনবা থুংনা মাগী মফিং চৎলিবা অসি করিগীনো? মাহাক্কী নোল্লুকপগী মরমদা করি থংবগে হাঙ্গয়ু।

৩। মখাদা ইরিবা রাহৈ অমমম অসি হাপ্নুনা রাহৈপরেং লেংউ। হাজংচাবা, মপালনাইদ্রবা, শাথৌবা, তময়া।

৪। শগোলগী মরমদা রচনা অমা ইউ।

বেঞ্জামিন ফাঙ্কলিন।

থবক্তা মাইওনশিনবা, অথাংকনবা অমসুং চাংনাইনা চাদিং তৌবনা তাইবংমীনা লাইরবা অনংবগী পন পুন্নমক নমথেক্তনা মহে হৈবা, মরল লৈবা অমসুং মপাললনাইরবা মিংচংকী মপু ওইবা ওন্মি হাঙ্গবা অসি বেঞ্জামিন ফাঙ্কলিনগী বারী পারবদি থংবা ওমগনি। অরাংথংবা অমেরিকাগী বোষ্টন হাঙ্গবা সহরদা লাইররবা ইমুং অমদা বেঞ্জামিন পোকখি। মপানা লাইরবা মরমনা মাহাকপু নহা ওইরিঙৈদগী ছাপা নম্বগী থবক তম্বিরম্মি। তৌইগুম্বসুং বেঞ্জামিন্না ছাপা নম্বগী থবক তম্বগা লোঈনা লোঈননা অহাংবা হেক ফংবগা লাইরিকলাইশু তম্বদসু পুকনিং চংলম্মী। চহি তরাতরেৎ শুবদা মাহাকনা ফিলাডেলফিয়া সহরদা লৈবা ছাপা নক্ষম অমদা থবক ফংলে। থবক্তা পুকনিং চংবা অমসুং মতম মাংহন্দবা মরমনা মাহাকনা থীন্দনা ছাপা নম্বগী থবক্তা হৈশিংবা উৎপা ওন্দা নক্তনা নিংথিনা ইংরেজী হৈবা অমসুং লোনবা ওমলে।

অতুগী মতুংদা মাহাকনা বিলাতকী ছাপাখানা অমদা থবক ফংলে। মতম অমসুং লনবু অরেন্দা মাংহন্দবা মরমনা মাহাকনা থুনমক শেল য়ামনা তান্দুনা ফিলাডেলফিয়া সহরদা হল্লকলম্মী। মফম অতুদা ছাপা নক্ষম অমা লিংথক্লনা মাহাকনা মরৈবাক্কী মী পুন্নমক্তা নোম্বা কনবগী অঙকপা থুদম উৎখি। মাহাকনা মশামকনা কৈথেন কাই; মশামকনা ছাপাগী চে, মুকনচিংবা পোৎলম পুমনমক লৈতুনা গাড়ীদা হাপ্লনা মশামকনা চিংঙি। অদুদগী মাহাকনা লাইরিকশং অমা লিংথৎলে; অমসুং চে মুকনচিংবা লল্লোনবা হৌরকলে। মতম অসিমক্তদা মাহাকনা পাউগী চে অমসু শন্দোকলকই। অসি পুমনমক অসি তৌদনা মাহাকনা ওমথৈলৈত্রবা শেল অমসুং মিংচৎ ফংখি।

অসুমনা অহাংবা লৈতনা মথলমথা অয়াম্বা তৌদনসু মাহাক্কী লাইরিকলাইশু তৌনবগী মতম ৱাৎপা লৈখিদে। চহি কুম্ল গুরকপদা লৈবাক্তা অচৌবা ফম অমা নাইরে। অদুদগী মাহাকনা লৈবাক্কী কান্নবগী থবক্তা পুকনিং চংখি। মাহাকনা থীনবা তৌদনা লৈবাক্কী সাহিত্যনচিংবা চাওথৎনবগীদমক মরূপ অমা লিংথৎলে, অমসুং মরৈবাক্কী অঙাংশিংগী তদা জুগোৎচানবগীদমক অক্ষবা লাইরিক তক্ষমশং অমসু লিংথংখি। শমনা হাঙ্গরবদা মতম অদদা লৈবাক্কী কান্নবনি হাঙ্গদনা তৌখিবা থবক অমত্তদসু মাহাকনা খুৎ থিংজিনখিদবা য়াওদে।

মাহাকনা অহল ওইরকলদা ইংলণ্ডগা আমেরিকাগা শোকনখিবা অকনবা লানফম অতু থোকখি। মাতুদসু মাহাকনা নিংথৌগী পাউম্বগী থবক তৌদুনা লৈবাক্কী ওমথৈ লৈতনা কান্নবা থবক তৌরম্মী।

মাচলিমা অহানবা মুম্বানবা হৌখা ফজর্ইদদি খামনা লাইয়রকনি তৌইগুম্বসুং নোম্বা কনবা অমসুং চাংনাইনা চাদিং তৌবগী মগুণনা মমৈদা মপালনাইত্রবা লনগী মপু ওইবা ঙমখি। মাচলিমা নংলরা ইমুংগি পোকনগা খুত্তো করমা তাইবংপানবদা অমাংঅতা লৈত্রবা মিংচং থনবা ঙমখিরগে হাইত্রা অদু মাচাকনা লেংবা লাইরিক পারবদি নিংখিনা থংবা ঙমখনি। মাচাকনা ইরম্বা মা প্রা হৌজিক পৃথিবীগী অকাখকবা লাইরিক অয়াম্বদা থেংচিন্নরি— "লন তারবগী লন্দী অসিদি কৈথেন কারবা লন্দীগুম্বনা য়ামনা লাই।" নোম্বা অমসুং চাংনাইনা চাদিংতৌবনা লন তারবগী, অথোইবা লন্দীনি। নোম্বা হাঙবা অসি মুংঙাই য়াইফবা অপুম্বগী পোকনকমনি।

হকচাং নাদনবগী অরাইবা পান্মে।

হকচাং মসুং শেংবা হাঙবা অসি মুংঙাই যাইফনবগী পোকনকমনি। ইনাবখুনবা লাইরবা, অশিংবা অপংবা পুমনমক্কী অহানবা তৌগদবা থবক্তি হকচাং শেংনা থম্বনি। খল্লু, নংদি ইনাকখুনবা মচানি, সনা লুপাগী মথক্তা যোকুনা চাউরকলবনি, নচিম্বান কাংথোক্তি তৈনা ননাই চামনা অপাম্বা পোৎ অদু কংশিল্লরি তৌইগুম্বসুং নশাদি লাইথুং চেল্লি। অদুগা এনা চুদংনবা মচানি অইং—অশা খন্দনা ভিক্ষাগী ঝুলি যান্দুনা চেং খুয়া অমগীদমক থোং থোং খুদিং কোঈনা চংলি; তৌইগুম্বসুং ইশা ফত্তবগী অরাবদি থংদ্রি। অসিনচিংবা মফমদা হাঙদ্ব য়েংসি নংমা লনগী অমসুং মহৈগী মপুদি ওইরগা অনা—মৈচাক খাংবগী কংলিবা অরাবগা অদুগা ইশা ভিক্ষু লাইচুদবা ঐনা চেং খুয়া অমগীদমক্তা রারিবা অদুগা কনানা পান্নফম থোকপগে? অমহিকসুং পুকনিং হাঙবা অসি হকচাংগা য়ামনা নকনবা মরী থোকই। হকচাংনা শেংত্রবদি পুকনিংসু মুংঙাইতে অমসুং থবক পুমনমক হৈনিংদে। অদুনা তেংবানবদা চাওখৎকনি হাঙনা নিংফম লৈত্রে অদুগা শিরগদু মাংঙ্গোইদবা আমানা মাংগদবা হকচাংগা মাংখিবগা লোঈননা থবক্তা মাইওনশিন্দনা মুথখি। অদু ঐখোইগী ধর্মগী লাইরিক্তা হাঈরি "শরীরমাদ্যং খলু ধর্মসাধনম।" ফনা চেকশিন্দুনা হকচাংদু কনবা ঙমত্রবসু হিংলিবমখৈ শেংনা অমসুং মুংঙাইনা পানবা য়ানবা হোৎনবদি ঐখোইগী অহানবা তৌগদবনি।

হকচাং য়োকনবগী অথোইবা পান্নদি চাবনি। চাখিবা পোৎ অদুনা ঈ ওল্লগা শিংলি মপুংদা হকচাংগী কারগদবা মফম পুমমক্তা চেন্দুনা হকচাংথু মোঈনবা তৌই। ঈঙনা হকচাংগী মৈশা পোকিহল্লি অমসুং থরাইপানবগী থরাইগী মঙাকনি। অদুনা মঙোরনচিংবা ঈ পোকপা চিঙাক থরা থরা চাবা হৌনৈ। তোং হাঙবা অসিসু হকচাং শাগৎনবগী অথোইবা মচাক অমনি

তোংদা প্রফুল্লকা শরুকনা য়ামহই; অহুনা নিতিগী মনামশিং অমসুং থরইহিপানবদগী থোকপা চিঙ্গাক থরা থরা চাবা চুমই। শরুনা হকচাং কন্নবগী য়াম্মদা শত্তে পাংই; অহুনা শরু কন্নবা অমসুং চাউনবগী চিঙ্গাক থরা থরা চাবসু তৌককদে; অহুনা চাবদা থুম, শুগু, অমসুং সেভিগী শরুক য়াম্বা চিঙ্গাক থরা থরা চাগনি। তোং পোকনবা চাবা চিঙ্গাক অহুগী শরুক অমি ঈ পোকনবা চিঙ্গাক তংথাই অমা শরু কন্ননবা অমসুং চাউননবা চিঙ্গাক চারবদি হকচাংয়োকনবগী থবক পাংথোকপা য়াই।

চাবদা চাং নাইদবা অমসুং মতম নাইদবা হাঙ্গবা অসিসু য়ামনা মাংশবগী মশকনি। চাত্রগা হকচাং কংশিনবা অমসুং শোম্বরকপগুমনা চাং হেন্না চাশিল্লবসু হকচাং মাংনবা ওই। পাথং অয়াম্বনা ভদ্রাদা বার্ডন ফংথোক্লনা ফংহুনা থল্লবা পুক্তা মিং-না উইশিন্দুনা অহাও-অথুম য়োংশিল্লি। তৌইগুম্বসুং মাখোইনা খন্দুনা য়েংবনা চুমই, অপাম্বনা শুমচনখিহুনা মাখোইনা মতৌ করম্না অমতগী মশক ওইরবা হু অহু চারিবা! মাহুনা পুক্তা লাই-হিংচাবা শারকনি হাঙ্গবা অহু মাখোইনা খংদে। মতুংদা অনা-ফমদা হিপলবদা মশাদা তাথীবা পীরকই।

তরুতনানবা হাঙ্গবা অসিসু হকচাংনাদনবগী অচেৎপা লাইরানি। হকচাং মোৎলবদি তুখোং ফুঙ্গিল্লি; অদ ওইরবদি হকচাং মনুংগী ফত্তবা পোৎ অদ হুমাং ওইনা থোরকপা ঙমদে। অহুগা মপানগী অশেংবা মুংশিৎনা হকচাং মনুংদা চংহুনা ঈ শেংদোকপগী থবকসু তৌবা ঙমদে। মাহুগী মহৈদি অনাবনি অহুনা নোংমগী ঈরুবা কাঙ্গবা চুমদে। মাসিগীদমক ঐখোইনা অমুক থোইনা নিংশিংনঙাই লৈতে। ঐখোইগী 'মাংবা' হাঙ্গবা হৌনবীগী মতুংইন্না ঈরুদনা চাকচাদবা হাঙ্গবা কাউনা য়াত্রবা পথাপ অসি অরু-অহেনবগী অঙকপা খুঙ্গিল্লি। অহুগা লুখদদি ঈচেন নাইবা ঈশিংগী ময়াঙ্গ ওইনা মাহু ফংত্রগা অরুবা অচৌবা পুক্তীদা লুক্ললা হুগনি। লুরগা অকংবা খুদৈনা শেংনা তৈথোকনি। মহৈতম্বা মচা অয়াম্বনা ঈরুরগা মত্তম ফংদে হাঙ্গহুনা তৈথোককাত্তনা চাবা ফম্বা উই। মাহুদি ঈরুদবগা মাম্লনা ফত্তে। অওইরমকসু শেংনা ঈরুবগী হেন্না কেবা ম্রাবা অমা লৈরিরোই।

হকচাংগুমনা শেংনবা মিং লৈনবা য়ুমসু বাম্না থমগনি। ইমুংদা অমাংবা তোংপদি মীনা উদে মীরক তিনবা য়ানবা শেত্তবা হৌমদে হাঙ্গবা অহু চুমহু মুমদে অানসু আঙ্গেন। ঐখোইগী হকচাং মনুংগী ফত্তবা অহু হুমাং ওইনা থোরক্লনা শেংনচানবা মিকা লাকই; অহুনা মাহু মরক মরক্তা মুক্তাকুনা মীরক তিনবা য়ানবা হোৎনবদি লাক্লে। তৌইগুম্বসুং লৈনবা য়ুম মোৎনা থম্বদি চুমদে। ইমুংদা অমহুং য়ুমগী মাইকৈ মরিদা অমোৎপা নমথিহঙাইনৈরবদি মাহুদগী ফত্তবা মশিন কারকই। মাহু চিংশিল্লবদি ঐখোই নাই। অহুনা মরক মরক্তা ইমুং ফকলাং শম্বীনা তৈথোকপা ঙমে। অহুনা মাগী মাইকৈ মরিদা মনমঙ্গশিবা লৈ পান্নী মচা থারবদি মুংশিৎ শেংহনবা য়াই।

হকচাংফনবগী অথোইবা পাম্বৈ অমদি হকচাং শাজেল্লি। পুকনিংনা নোম্নগা লোইননা হকচাংসু নোম্না হৌনে। নজবদি পুকনিংসু হৈনিংদে, লৌশিং মাংই, নিংশিংনবা পাঙলসু মরেং তাই; বাখল্লা অরুবা থ্রিরম অমতসু চংশিনবা ঙমদে। মুংশানা চাকলবা, লংকৈচংপনা উরুমদা চংলগা অন্নাবা পোকথোকনবগুম্না নোম্ননা মান্নবা পুকনিংসু মুংঙাইবা শাজেন অমা তৌরগা অনৌবা থবাই ফংলগুম ক্রেকথংলি অতুনা নিংক্তিনা চেনবা চোংবনচিংবা শাজেন তৌবা অসি পান্না ঔরাইবগুমনা তৌগদবা থবকনি হাঙ্গীনা থনগনি।

অতুনা অশেংবা মুংশিং ফংনবা হোৎনবা, মচি ওইবা চিঙ্গাক চাবা অফবা ঈশিং থকনবা পাম্বৈ, লুনা নাম্না লৈবা, হকচাং শাজেন তৌবা হাঙ্গীবা অরাইবা পাম্বৈ অসি নাম্বনা হিদাক, লাইবা থিত্রিক্তৈগী মমাংদা তৌগদবা থবকনি।

বাহং

১। হকচাং মন্নুংশেংবনা করি কাম্নবগে ?
২। হকচাংফনবগী অরাইবা পাম্বৈ হাঙ্গীযু।

লৈচিন অমস্তুং নোং।

ঐখোইনা মুমিংথুম্লিংগী অতিয়াদা লৈচিন থাবা উই। তৌইগুমসুং ঐখোইনা ইকাইবা অমা লৈরি— নোংমতসু ঐখোইনা লৈচিন অসি কররিনো, করি ওইবা য়াবগে হাঙ্গীতুনা থম্লুনা য়েংঙত্রি। অহল্লমন্না হাঙ্গী, অশিবা মীগী মকোকনি, ফনানা হাঙ্গী মমিৎনি, অতিয়াদা কোঙ্গপাই পাইদনা পৃথিবীগী মচামগুনা তৌবা অফবা, ফত্তবা থবক পুমনমক য়েংঙি, অফবা তৌরগা হরাওই, অমুক হেন্না ম্নাংনা কাখৎলি; ফত্তবা তৌরগা মুংঙাইতে; লৈথা ভাথরকই। ঐখোইনা মাগিনী অচুম্বা চুমদবদি থংদে, অমরোমদা ফনা কান্নবা মাহৈনি, ইচাইগু বারকনবা য়াবা মাহৈনি। অমরোমদসু অহল্লমদা লৈচিন য়েংদনা শা-লানগী পাউ পুমনমক থংনৈ। থাম্নীগা সাহেবকা ফনানা ঙমগদৌরিবগে হাঙ্গীবনচিংবা পুম্নমক হাঙ্গীবা কাওবা ঙম্মী।

" অতুগা নোং হাঙ্গীবা অসিনা কররিনো ? নোংদগী ঐখোইনা ফংলিবা কাম্নবা পুম্নমক অতুদি বনানা থংদবা য়াওবগে ? ঐখোই মী ওইবা পুম্নমকী থবাই ওইরিবা ঈশিং অতুসু নোংনা পীবিরিবনি। নোংচুম্নবদি পৃথিবী অসি উ, মা, মহৈ মরোংনা লৈতেংঙথোইদবনি, ফজবা লৈ অমতসু শাজনা মীগী পুকনিং ওম্নৎলোইদবনি। পৃথিবী অসি মীনা লৈবা য়াবা মফম থোকলম-লোইদবনি। অসিগুম্বা নোং অসিগী মরমদা ঐখোইনা থিরক্রিবা অসিসু অরানবনি। শোম্নান্নেনগী

শামু ইরাবোৎকী মনাতোন্না মন্দাকিনী গঙ্গাগী ঈশিং চিংশিন্দুনা, চাকলবা পৃথিবীবু ইংহল্লবগীদমক চাইথরকপন্থ থংদে; থিরুক্তিবা অসি অরানবনি। অতিয়াদা লৈবা ঈশিংগী থাংদগী হুন্থবী মতৈমনাওনা মচামশুঙ্গীদমক চাইথরকপন্থ থংদে। ঐখোইনা থিরুক্তিবা অসিনা অরানবনি। মাসিনা চুম্বন্থ থংদে, হৌজিক্কী বিজ্ঞান শাস্ত্রনা অমা হাঙ্গিরম্বন্থ থংদে। ঐখোইনা থিরুক্তিবা অসি অরানবনি।

তৌইগুম্বন্থং ঐখোইনা মমাংদনা হাঙ্গিরবা অহুন্নি, ঐখোইনা থাজবা পূমনমক যেজ্জানা থুগাইবিরে। বিজ্ঞানা হাঙ্গিরি অতে নত্তে, লৈচিন হাঙ্গবা অসি মী মকোকন্থ নত্তে, মথিংন্থ নত্তে ঐখোইনা হুমিংকী মৈশানা শুগ্নী খোংবামচিংবা ঈশিংখোং পূমনমক্কী ঈশিং মনিনগী মশক ওইনা অতিয়াদা পাইথংপা অসি থাজে, থাজদবা ওমদে। কালেন্থাদা ঈশিংখোং পূমমকী ঈশিং ময়েং তাবা করিননো? অশাবা হেল্লিবমথৈ ঈশিং হাঙ্গবা অসি মনিন ওল্লি। মনিন অহু অতিয়াদা পাইথংশ্রবদা অইংবা হুংশিংকা থেংনহুনা ঈশিং মরিক মরিক ওল্লি। মাহু হুংশিংনা মাইকৈ মরিদা কোঙ্গহুমহুমদ্না পুই। মাহু ঐখোইনা লৈচিন ওইনা উই। নিংথমথাদা মথাগী হুংশিং অসি য়াম্না ইংঙি, মরম অহুনা ঈশিংদগী কারকপা মনিন অহু য়াংনা কাত্রিঙৈনা ঈশিং মরিক ওল্লি। নিংথমথাগী লৈচিন্না কয়া নেমনা পাইবা উরক্লিগনি। নখোইনা চফুদা ঈশিং লুম্বদা মাদ্দগী কাবা মনিন অদ্ উররিগনি। মাদ্ ঈশিং মকুপ নত্তনা কন্থিন্থ নত্তে মাদ্দা নংনা থরা কাথংনা অইংবা প্লেট অমা পাঙ্গিরবদি মনিন অদ্ ঈশিং ওন্দুনা প্লেট অদ্দা পকনি। মাসিন্থ অদ্শুম্বনি।

অসিগুম্বা কুপলবা, হুংশিন্তগীন্থ হেন্না য়াংলবা ঈশিং মরিক পূন্নমক অসি হুংশিংনা কোঙ্গ-হুমহুমন্থনা অতিয়াগী মাইকৈ মরিমক্তা কোঙ্গচৎ চৎলি। হুংশিংনা অহুন্না তোৎনয়ান্নদ্না ঈশিং মতুম মতুম ওইরকই, অমন্থং হুংশিন্তগী হেন্না লুমলকলবা মতমদা লৈবা য়াদহুনা লৈথাদা তাথরকই; নোংচুবা হাঙ্গবা অহু মাহুনি। হুংশিং মাইরমগী মতুংইন্না ঐখোইগী লৈবাক্তা য়াংখল্লো কুমদন্দি, কৌরুনা তন্দি হাঙ্গনরিবা অদ্নি।

বাহং।

১। নিংথৌদা করম্বা লমচৎ চৎকনি? নিংথৌ লৈবনা ঐখোইগী করি কান্নবগে? নিংথৌনা প্রজাদগী থাজনা লৌখৎলিবা করিগীনো?

২। নোং তারিবা অসি কদাইদগীনো? নোং তাবনা ঐখোইগী করি কান্নবগে?

লবকুশ ।

কবি বাল্মীকিনা রামগী লমচংকা মরমদা অঙকপগী মশক ওইরবা য়ারেং লেংহুনা সীতাগী মচা লব অমসুং কুশ, মচিনমনাওশুংবা তম্বিখি। ওসিদি লবকুশনা রামগী সভাদা রামায়ণ শকনি হাঙইবা তাহুনা মুনিঋষি, নিংথৌ, অঙম-অথৌ অমসুং বার্তনেগী মী অতৈ অতৈনা রামগী সভা অহু থল্লে। রামনা সিংহাসনদা লেংশিনবা উরহুনা বাল্মীকিনা মীয়াম অহু কোঙইনা অহুক য়েংলগা হায়রকই "মহারাজ, সভা পুমনমক ইশৈ তানিংবগী মতৌ উরে; মসিক অহুনা মহারাজগী য়াথং ফংলবদি ইশৈ হৌরকনবা ময়গাম্রা নিংঙি" অহুগী মতুংদা রামগী য়াথং ফংলহুনা লবকুশ মচিনমনাওনা বীণা পাঙইহুনা রামায়ণ শকপা হৌগংলে। বাল্মীকিনা মসাংদনা রাম অমসুং সীতাগী পুংশিনরগী মী হেমা শকই হাঙইহুনা লবকুশদা তাকখি। মচিনমনাওগী কোকিলগী ওমজবা খোঞ্জেল বীণাগা তোইননা নিংথিজরবা রামায়ণগী ইশৈ শকপা তাবদা সভাদা লৈবা মী পুমনমক মিত্তা শিং শিংজনা ওমদে। পুমনমকনা হাঙইখি "ওস্নোকপনি! অঙাং অনি অসি ওইরাকনা শ্রীরাম অমসুং সীতাগা মানরে, ফিরেন অমসুং চহিগী খেন্নবা লৈত্রবদি মাখোই অনি অসিগা রামগা খেন্নবা লৈরমনি হায়রবা নিংদে।" মী পুমনমক মিৎফম অমতা ওইহুনা লবকুশবু য়েংলহুনা ইশৈ তারম্মী।

অঙাংনা অনিবু ওইরাক তারগা শ্রীরামনা লক্ষ্মণবু য়েংলহুনা হাঙইবকই "ইবুংঙো লক্ষ্মণ! মাখোইনা শকলিবা অসি তাওইরে। ঙৌজিক্কি বাররিগনি, মাখোইদা সনা মোহর লিশিং অমসুং পীখো।" লবকুশনা মাহু তারমদনা হাঙইরকই মহারাজ! ঐখোইদি উমংদা লৈবা মীনি, কেবমোবা পাম্বা মী নত্তে। অফংবা উইহে রাহে চাহুনা লেল্লি, অফংবা উক শেংহুনা পাল্লি। ঐখোইগী সনাগী থোইনা করি কাম্নকম লৈবগে? ঐখোইনা রানা ওনজরকলা। মহারাজগী গুণ পুমনমক অসিবু ওর্সি মহারাজগী সনামাংদা অমসুং তিল্লিরিবা সভা পুমনমকী মমাংদা শকচবা ওম্বা অসিনা ঐখোইগী নোমজরকপগী মহে য়াল্লে। ঐখোইনা শকচবদা মহারাজগী সনা পুকনিং পেমবিবে হাঙইবিরিবা অসিনা ঐখোইগী ওকচরে।" অঙাংগী মচিন্দগী অসিগুম্বা অথুপা অপাম্বা লৈতবা বাহে তাবদা মী পুমনমক ওকনখি।

লবকুশবু হন্না হন্না য়েংলগা কৌশল্যাগী পুকনিংদা থাজবা পোকলে, "অমি অমি শোঙইদনা সীতাগী মচা ওইরমগনি নত্রবদি মপাগা মচাগা নত্তনা তেংবানবদা অহুন্না রামগা মান্নবা অসি খোকপা য়ারোইদবনি। কৌশল্যাদসু নত্তে, শ্রীরামসু, লক্ষ্মণসু, ভরত, শত্রুঘ্ন পুমনমকসু অনি অসুবু সীতাগী মচানি হাঙইনা থাজখি। মাখোই মচিনমনাও অনিমক অহুবু উরগা কৌশল্যাগী মপুকনিংদা সীতা কাঙইনবগী অরাবা মৈচাক অহু শরুক "অমি হেয়ো চাকথংলম্মী।" সভানা কাঙইরবদা মাহাক্না লবকুশ মচিনমনাওবু কৈরহনা তম্পাক্না পমলহুনা কুমহন্না কপলকই "হা জানকী! নহাকপু কদাইদা লৈরিবা।" মাহু উহুনা সুমিত্রা, উর্ম্মিলানচিংবা পুমনমক অরা-তেংথাবা হৌরকই। লবকুশ মচিনমনাওদি মাহু উহুনা ইঙকঙকখি।

ভীষ্মগী ৱাশক।

হস্তিনা লৈবাক্কী মীয়ামদা পাওথুনি দেবব্রত কৌবা মচা অমা লৈরম্মী। শান্তনু মহারাজনা অহল ওইরকলবদা সত্যবতী কৌবী নুপী অমা লৌবা হাইনা নিংখি। তৌইগুম্বসুং সত্যবতীগী মপানা ভীষ্ম লৈবদি শান্তনুদা মচানুপী পীবা হায়বা য়াবা ঙমখিদে। মাহাক্না শান্তনু মহারাজ য়েংলহুনা হাঈরকই "মহারাজ। ইচা নুপী পোকলবদি 'কন্যদান' তৌবা অমদি তৌরবনিং মহারাজ গুম্বা অয়াম্বা গুণ্না লৈতেংলবা নিংথৌদা ঐগুম্বা করিস্নু লৈত্রবগী ইচা কংচৌ হাঈবদি লাইবক ফবনি হাঈবা থংজে ; তৌইগুম্বসুং ঐগী পুনশি অসিদা ঐনা নিংজরিবা অমতংদদি থুংবা ঙম্মরোই হাঈবা উহুনা পুকনিংদা অৱাবগা লোঈননা মহারাজদা ইচানুপী কংপা ঙমদ্রে। ঐগী ইচানুপী অসিনা পোকপা মচাদা হস্তিনাগী সিংহাসন পীবিগে হাঈনা মহারাজনা য়াবিরবদি ইচা কংচবা ঙম্মি। তৌইগুম্বসুং মহারাজগীদি————।" শান্তনু নিংথৌনা মাহু তাবদা পাউখুম পীবা ঙম্মদনা হস্তিনা কোনুংদা হনবা তাখি। তৌইগুম্বসুং পুকনিংদদি সত্যবতীবু কাউবা ঙমখিদে।

শান্তনু মহারাজনা মতমলৈবখিবিক্তা অৱাবা ৱাখল্দা থনবা অমসুং মমাংঙৈগুমনা নিংথৌগী থবক্তা হৈনিংদবা উহুনা নোংমা দেবব্রতনা শান্তনু মহারাজদা অৱাবগী মরম হংখি। মচাগী ৱা তাবদা শান্তনুনা হাঈরকই "ইবুঙো। নহাক অসি ঐখোইগী শাগৈগী মাং-তুং হুম্না য়েংবদা অনিশুংবা থাউমৈগুম্বনি ; নহাক অসি মচা চামা পোকপদগীসু হেল্লি হাঈবা থংহনা ঐনা অমুক নুপী থিগে হাঈনদি নিংবা লৈত্রে। তৌইগুম্বসুং অমতা পোকপা মচা হাঈবা অসিদি পোক্তবগুম্বনি হাঈবা অদু খল্লুরগা পুকনিংদা য়ামনা অৱাবা পোকই। মরম অদুনা ঐনা অহিং নুংথিল অনিমক্তা নংবু তেক্তকাঈদনা থম্বিনবা ঈশ্বরগী খুয়াদা নিজরিবা অসিনি।"

মপাগী ৱা তাবদা দেবব্রতনা লৈবাক্কী মন্ত্রীগী মফমদা চংখিহুনা হাঈরকলিবা ৱাহৈ অসিগী নরমদা তাম্লই। মন্ত্রীগী মচিন্দগী সত্যবতীগী ৱা তারহুনা দেবব্রতনা মপানা ক্লাবিবা অদগী মরম থংলে অমসুং থীনবা তৌদনা সত্যবতীগী মপাগী মফমদা চংনা সত্যবতীবু পীনবীদমক হাঈজরম্মী। দেবব্রতগী ৱা তারগা সত্যবতীগী মপানা হাঈরকই "হে কুরু শাগৈগী মৈরাগী নশক ওইরবা! মহারাজ শান্তনুদা ইচা পীজো হাঈবদি ঐগী ইরাইবক ফবনি হাঈবা থংজে ; তৌইগুম্বসুং ঐগী অলেংবদা হাঈলোকচৌ হাঈরবদি ঐগী পুকনিংদা চিংনবা অমা লৈবা মরমনা ঐনা মপাবুং মহারাজদা ইচা কংলু হাঈবা য়াদবনি।— নহাক্কুম্বা অয়াম্বা গুণ্না লৈতেংলবা মচানা লৈরিঙৈদা সত্যবতীনা পোকপা মচানা নিংথৌ ওইগদ্রি হাঈরা নিংকম লৈত্রে।" মহাক্কী ৱা অদু তাবদা দেবব্রতনা মাহাক্কী মপুকনিংদা চিংনরিবা অদু থংলহনা হাঈরকই "ফরে মাদু মচাগী ওইরবদি ঐনা বাশকচিন্না অসিনি ঐহাক কদাইঙৈদসু নিংথৌ ওইরোই। অদুনা পাবুং মহারাজদা নিমক 'কন্যদান' তৌরক্লো।"

মাদ, ভাবদা সত্যবতীগী মপানা হায়রকই "মহারাজনা বাশক চেংপা ইস্ত্রি খুদ্রমচনবা ওবা নিংথৌমচানা হাঙবদা চিংনবা নত্তে।" তৌইগুবসুং সত্যবতীনা পোকপা মচাগা দেবব্রতনা লোককপাশিংগা লাইনদ্রৌ পুক শাগেদ্রি অইংবা থুগাইবগী লৈত্তে হাঙবদু কনানা হাঙবা ঙমগনি? মাদ, ভাবদা দেবব্রতনা অমুক হায়রকই "ঐনা বাশকপিবা অসিনি—ঐহাক কনৌইবদু লুপী লিরোই, অমসুং ওইরকপি মাদগী অমুক চিংনবগী লৈত্রে।" দেবব্রতকী বা অদু তাবদা মপানা সত্যবতীবু শান্তনু মহারাজনা কংখি।

নিংথৌমচা অমগী মরমদা মপাগী পুকনিং থুংনবগীদমক নিংথৌগী শোঙদনা ফংগদবা সিংহাসন থাদোকপা হাঙবা অসি অরাইবা থবকনি হায়বা য়াদে। ভীষ্মনা মাদবু থাদোক্কে হাঙদ্রা বাশকপা তাবদা তেংবানবা অপুম্বা ওকনখি। মাহাকনা মপুনশি চুপ্পা বাশক অনি অসিমক তাকুনা তেংবানবদা ইস্ত্রি খুদ্রমচনবা ওবগী অঙকপা খুদম অমা থম্বিরমলে।

বাহং

১। ভীষ্ম হায়বা কনানো? মাগী মরমদা করি খংবগে হায়য়ু।
২। লবকুশগী বারী শমনা লীয়ু।
৩। মহাভারতকী বারী শমনা লীয়ু।

ইংরেজনা খুদ্রমচনবা ভারত।

ভারতবর্ষগী বারীপাবা মীনা মুসলমানা পানবা মরাইচাঙরকলবা মতমদা ভারত্তা থোকখিবা অরাবগী বারী পুমনমক অহু তাহনা তুকুপলবা ওবদে। মোগল নিংথৌরেনশিংগী মরক্তা মাইওঙ্হোকপা অমসুং মপাঙল শোরকপনা ভারতবর্ষনা মপাললনাইত্রবা অরাবগী ঈপাক্তা ভাখিরমী। নিংথৌগী থবক তৌবশিংসু লমজিংবিবা কত্তবনা নত্তনত্তবা থবক্তা তৌদ্রনা লৈবাক য়াংতাকলবগী মতম ওইখি। মপানগী য়েকনবনা তোঙনা লান্দাবা অমসুং হুরান-চিংহীবনা ওংপনা লৈবাক অসি মোংফমগী মথক ওইরমী। তবগী থাগৎশংবা মরম বাৎপনা প্রজা অপুম্বগী থম্মোই অদু অমমনা কুপখিদ্রনা মীওইবগী অকবা পুকচেন পুম্নমক মাংখিরমী। মতৌ অসুম্বা অরাবগী মতম অদ্রনা ভারত্তা অমুক শান্থিরমলবদা ঐথোইগী লৈবাক অসি করমনা মাংওমগবা হাঙবা অদু বাখনচাউবা মী পুকনমকনা খংভিগনি। তৌইগুবসুং থৌজানহৈরবা ঈশ্বরগী নোংদমনা ভারতকী কমাল অসি হৌনবা খংলবা ইংরেজদা শিন্নবিদ্রনা ভারতপু অরাবা পুমনমক্তগী কোকপিরে।

হৌজিক অসিদা ইংরেজনা পানবা মরমনা ভারতবর্ষ অসি নোংম-নোংমগী চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিল্লি। মাসিগী মমাংদদি লৈবাক অসি মশীংলাকওমত্রবা লৈবাক মচা মচা থাঙ্গইদুনা অমম্তুং লৈবাক মচা পুম্নমক অত্তুগী নিংথৌশিং অহু অমগা অমগা লান্থীনদুনা লৈবাক্তা অইংবা কৌরম্বা, লৈরম্মদে। হৌজিক্তি অকনবা নিংথৌ অমত্তগী মথাপোনবা মরমনা ভারতকী লৈবাক পুম্নমক লান্থীনবা তোক্কুনা অমগা অমগা চান্নবা পানবা ঙম্মরে। নিংথৌ অমত্তগী অচুম্বা রায়েলগী মথাপোন্দুনা, নিংথৌ অমত্তগী লোন তম্বগী হৈনিংবা পীরিদুনা ভারতকী লৈবাক পুম্নমক অসি অমত্তা ওইবগী থৌরীনা পুন্নশিল্লে। মন্ত্রিক-মণ্ডল চাউরবা নিংথৌগী মথাপোন্দুনা লৈবা মরমনা হৌজিক্তি মপ্লানগী য়েক্কবনা ঐখোইগী হুংঙাই-য়াইফবা, অইংবা পুম্নমক মাংহনবা ঙমজ্রে। নিংথৌগী অশুম্বশিংগী বারকহৈবনা লৈবাক্তা হুরানচিনথৌবগী অরাবম্ব লৈত্রে। নিংথৌগী রায়েল চুম্বনা প্রজাশিংনা জাৎ, ধর্ম্মগী খেন্নবা লৈতনা প্রজানা ফংফমথোকপা হুংঙাইবা পুম্নমক ফংহনা পেম্মরে।

ইংরেজগী জাত্তা ভারতকী মীনা নিংথৌগী জাৎনি হাঙ্গইদুনা ইকাইখুম্মনবদা নত্তনা তৌবিমন থংবগী খুদম উত্তবা য়াদবা মরম অমদি— লৈবাক্তা মহুৎ শন্দোকপনি। ভারতবর্ষগী মফম-মফম খুদিংদা মথলমথা অয়াম্বা তম্ফম লিংখৎপিদুনা ইংরেজনা ভারত্তা লৌশিংগী থাউমৈ থানবা য়ানবা লম্বী শেম্বিরি। লৌশিংগী অন্নবা মঙাল শন্দোকপগা লোইননা লোইননা ভারতকী মীনা অপংবনা মমলম্বা নত্তনত্তবা থাজবা পুম্নমক কোক্কুনা চাওখৎপা পুম্নমকী মপু ওইবা ঙমলে। ছাপাগী থবক্তা মনিংমথাতম্বা পীবিদনা অফবা লাইরিক শন্দোকপা অমম্তুং পাউগী চেনা নিংথৌ অমস্তুং প্রজাগী প্রকনিং অমগা অমগা থংনবা ঙমদনা ভারতকী অইংবা, চাওখৎনবগী থবক্তা তেংবাংলি। রেলগী লম্বী, টেলিগ্রাফ, ষ্টিমারনচিংবা পুম্নমক লাংবিদনা ঐখোইগী চখোকচৎশিন, লল্লোন-ইত্তিকপগী খুদোং চাহল্লি। লম্বী থোংনচিংবা শেম্বা, অনাশং লিংখৎপনচিংবা অফবা থবক পুম্নমক ইংরেজ নিংথৌনা তৌবিদবা য়াওজ্রে। শমনা হাঙ্গইরবদা ঐখোই ভারত্তা লৈবা মীনা কন হৈয়নবা ইংরেজগী অইংবা তম্পাক্তা য়োকপিবা ফংদনা হুংঙাইয়াইফনা মত্তমলেনবা ঙম্মি।

হৌজিক অসিদা মন্ত্রিকমণ্ডল চাউরবা মঙাগুবা জর্জনা ভারতবর্ষগী নিংথৌরেননি। প্রজাশিংনা মাহাকী অচুম্বা রায়েল, অমম্তুং লৈবাকঙাকপহৈবগী মরুমদা থুগনা ইংনরি। ঐখোই ভারত্তা লৈবা মী পুম্নমকনা ঈশ্বরগী খুমাদা খুরমজরিবম্নি— ঐখোইগী নিংথৌরেন অসিনা মতমকুইনা পুনশিদনা পানথিসনু।

পুকনিংচংবা ।

পুকনিংচংবা হোৎজব্রবদা থবকনা পাংবা লৈতে। পুকনিংনা চংব্রবদি লৌশিংনা ফজা শিংহনবু লৌশিংগী মহৈ চারবা ওমদে। মহৈতম্বদা পুকনিং চংব্রবদি হৈবগী নিংতম্লম লৈত্রে। অরাম্বনা থেক তৌহ্নু তৌহৈঙ্ঘমহুং থবক্তা পুকনিং থিংজিনবা ওমদদনা মহৈ ফংবা ওমদে; অদনা অহানবদা চাংয়েংবদা হেক পোঙ্গষগা থাদোক্তুনা থবকনা কান্নবগদবগী পাদম লাকপা ওমদে। ঐখোইনা হিরম অমদা কুইনা থনবা ওমদে, করিগুম্বা অরুবা শরুক অমা হেক য়েংলক্লগা ঐখোইগী রাখল্না হিরম অদগী মরমদা অমুক খল্লিংউবা তৌদে— মাদগী মরমবু পুকনিংচংবা রাৎপনি।

মমিংচংলবা সাব আইজাক নিউটনগী রারী পাও। কবিগুম্বা অরুবা হিরম অমা হেক থনবা হৌবগা মাহাকনা হিরম অদু নত্তুনা অতৈ উবা লৈখিদে— অহিংদা চানবা মমাংদা তাত্তুনা লৈ—তৌইগুম্বহুং মাহাকনা রাখল অমা থনবা হৌব্রবদা চানবা অদু উদত্তুনা অহিংচুপ্পা চবা হেন্দুনা নোংঙানখিবা থংহৌদে। অদুম্না হিরম খুদিংদা পুকনিং থিংজিনবা ওম্বনা নিউটন্না পৃথ্বীদা ওইখোক্তবা থধক পাংবা ওমশ্রিবনি। গণিতশাস্ত্রগী থোকপা ওমত্রবা কিশিং থোক্তুনা, বিজ্ঞানগী অকুবা রাহংগী পাউথুম পীতুনা ফংবা ওমত্রবা খুদম ফংবা অসি মাহাকী লোংত্রবা পুকনিংচংবগী মহৈনি।

মহাভারতদা দ্রোণাচার্য্যগী চাংয়েংবদা অর্জুননা লাম্বোকপা ওয়গী মরক করিনো—অর্জুননা তৌগাদবা থবক্তা পুকনিং থিংজিনবা ওম্ব। রারীদি অঙাইবনি, তৌইগুম্বহুং বৌনকম য়াম্মা লৈ। যুধিষ্ঠিরবু দ্রোণা খঙোকখি—মরমদি য়েংগদৌরিবা উচেকা লোক্লনা যুধিষ্ঠিরনা মচিন মমাঙ কাওবা উবা ফংডি— মরম তৌগাদবা থবক্তা পুক্লিংলোংবা উবদা হৈশিংলবা ওজা দ্রোণা যুধিষ্ঠিরদা পাস নত্রগা লাম্বোকপা নত্রগা পরীক্ষা ওম্বা পীনিংখিদে। অতৈপুম্নমকপুম্নু অত্তুমনা থত্তোকলে—করিগী? পুক্লিং থিংজিনবা রাৎপগী। তৌইগুম্বহুং অর্জুননগী লেং য়োম্লকলবদা দ্রোণাচার্য্যনা হংখি "অর্জুন! উচেক অসি উরিববা?" অর্জুন্না খুমখি "গুরুদেব! ঐনা উচেকী মশা অপুম্বদি উবা ফংদে; মাহাকী মঙক্তদি উবা ফংডি" পরীক্ষা ওম্মোইদকম লৈতে— মিং হাঙবা অসিদি পুক্লিংগী মথা পোনবনি। অর্জুন্না উচেকী মশা পুম্নমক উদত্তুনা মাগী মঙক্তা উবগী মরমবু ককদৌরিবা মঙক অদুদা পুক্লিং থিংজিনবা ওম্বননি। মাতুগী মহৈবু— মহাভারতকী অকনবা লানফমদা লানঙম ফিরান থেংতুনা পৃথ্বীদা অমাংঅতা লৈত্রবা মিংচং থনমলিবা অস্মিনি। লাইগী বা অসি থাদোক্তুনা ঐখোইগী নিত্তিগী থবক্তমু পুকনিংচংত্রবদি থবকনা নিংথিনা পাংবা লৈতে।

ৱাহং।

১। ইংরেজনা পানবনা ভারতবর্ষদা লৈবা মীগী করি কাম্নবা..

২। হৌরিক ভারতবর্ষগী নিংথৌরেন কনানো। মাহ্ন পোকপা মপাগী মমিং করি কৌবগে? ভিক্টোরিয়া ছাইবা অমি কনানো?

৩। পুকনিং চংবনা করি কাম্নবগে?

৪। অর্জুননা দ্রোণাচার্য্যগী চাংয়েংবদা করমনা মাইপাকপা ওমখিবগে?

তম্বা।

তমজহৌ, নহৈ করা তমজহৌ,

নহা ওইরিভৈদা নহৈ করা তমজহৌ।

লৈরবম্ন কল্লকউম্ন, শককম-ফজবম্ন মিহৌরুম্ন।

চেংবানবা অসিদদি, মহৈনা অথোইবা লল্লি

তমজহৌ।

মহৈ হৈতবা মীশিংদো, শাগা খেরবা লৈতেদো,

অস্‌বা মহৈ তমনিংদবা মপোক অম্ন আরেগনি

তমজহৌ।

নহা ওইরিভৈ মতমসি, তম্বগী অথোইবা মতমনি

অমা হৈবা ওম্বগা, চামা হৈনিংঙনি

তমজহৌ।

অঙাং ওইরিভৈ মতম্ন শাম্নহনা লেনথোকলবদি

চহি মঙাং চাম্নগা নিংঙমদনা লাকনি

তমজহৌ।

মাংবা লৈতবা মহৈনি পীরথাক্লগা হেনবনি

লৌমিশিংগী থাউকৈ থাবগা, মীপোক আরেগনি

তমজহৌ।

তমজহৌ, নহৈ করা তমজহৌ,

তুংদা নিংঙমদনি করা তমজহৌ।

ৱাহং।

মহৈতমনা করি কাম্নবগে? পুনশিংগী করবা মতমনা মহৈতম্বগী অথোইবা মতমনো।

য়াহৌঙনবা।

য়াহৌঙনবা হাঙ্গৈবা অসি মহৌশাগী হৌনবিনি। জীব পুন্নমক অয়ুক অঙনবদা চুমিৎ-থোক্তি-ডৈগী মমাংদা হৌবা উই। অহিংগী মমৈ হেক য়োৱকপগা উচেকনা উকৈবক্তা তোংহনা ইশৈশকপা হৌই; ঙাম্নু কাংঙনচিংবা ঈশিংদা তাবা জীবনা মপুকনিং হৱাওনা ঈরোইবা হৌই; অয়াম্বা মুংথিলগী লৈৱাংনা মকাফম্না শাৎকাই; অসিনচিংবা। মৱম অসিনা মীওইবনা মাসি পুন্নমক খংনা৹ উনা লাইনা তম্বিৱমলবা তুমনবগী মতম হেন্দোকনা তুমহনা মমল নাইত্রবা পুনশিগী মতম অৱেম্বদা মাংহনবা অসি মীওইনা পোকপা ঐথোইগী চাউৱবা দোষ অমনি হাঙ্গৈদবা য়াদে।

অয়ুক অঙনবদা হৌগৎলবদি নোংমা অত্তু চুপনা পুকনিং অমস্তুং হকচাং অনিমক মকাফন্দুনা লৈ। অয়ুকী অইংবা মুংশিং অসি হকচাংফনবগী অথোইবা পাম্বৈ অমনি। হৈশিংলবা মান্সফিল্ডনা হাঙ্গৈথিবা অমা লৈ।— "ঐনা মতমকুইনা থিকহনা খংজরে— তেংবানবদা কুইনা পুনশিন্নুনা লৈনবগী মৱমদা য়াহৌঙনবগা মান্নবা অনিগুবা হিদাক অমা লৈতে।" মৱম অসিমক্তনা ৱাবী লাইৱিক্তা ঐথোইগী মুনিঋষিশিংগী অঙকপগী মশক ওইবা পুনশিবগী ৱা তাবা ফংডি। মাথোইনা নুমিৎ থোকদবা পুংজা (দণ্ড) মরি লৈৱিডৈদা হৌদুনা ভক্তিগা লোইননা মপুবু ঈৱাংপা হৌই। অতৈগী মৱা তোক্নুনা ঐথোইগী ইৱৈবাক অসিমক্তদা য়েংলবস্থ মাসিগী অওইবা খংবা ঙমগনি। থবক অমস্তুং মতমগী পোৱইৱে মতুংইন্না ঐথোইনা হৌজিক মাসিগী হৈনবা কাউথিদুনা ঐথোইগী মমাংগী অহল্লমন্দগী কদাইমথৈ হকচাংফবগী মৱীদা ময়েং তাথলবগী মৱম অথোইবা অমা ওইৱবগে হাঙ্গৈবা অত্তু ৱাখনচাউবা মী পুন্নমকনা খংলৱিগনি।

অয়ুক হাঙ্গৈবা অসি থবক তৌনবগী অথোইবা মতমনি। অহিংগী পোম্বাবা লোইৱবগী মতুংদা থবক তৌৱবস্থ ইমাঙ্গৈ লাঙ্গৈনা থবক্তা পুকনিং থিংজিনবা ঙম্মি৹ মৱম অদুনা থবক পাংবদস্থ থোইনা ৱাবা লৈক্তে। জর্জ ৱাশিংটনদা মাহাক্কী কনাগুম্বা মৰূপ অমনা হংখি। "নহাক্না নিত্তিগী অস্থপ য়াম্বা থবক অসি করমনা তৌবা ঙম্বগে?" মাহাকনা খুমখি "থাইনা ফমুংদা লৈৱিডৈদা ঐনা থবক হৌই; অদুনা অতৈদগী ঐগীনা থবক তৌনবা মতম হেল্লি। অদুগা মহৌশাগী হৌনবী মতুংইন্না ঐগী হকচাং অমস্তুং পুকনিং অনিমক মুংডাইবা অমস্তুং থবক্তা মাই-ওনশিল্লিংবা হেল্লি।

অওইবমক নোংমগী মুংঙাইবা অমস্তুং পুকনিং হৈনিংঙ্গা আস য়াহৌঙনবগা কদাইমথৈ মৱী লৈবগে হাঙ্গৈবা অত্তু অতৌবা মীতম্না থংডি। অয়ুকী লিংথিজবা উৱগা কনাগী পুকনিংনা [illegible]বা ঙম্বগে? নোংপোক মাইকৈদা তাংথক নাইত্রবা নুমিৎনা থোকলকপা উৱগস্থ মিৎকী পেন্নফম ওই;

উকৈ মথক্তা পোন্বী ক্রেক্কানা খোংবা তারগস্থ নাকোংগী ইংনকমনি। অয়ুকী নামিবা মলয়া নুংশিথনা মৈরকস্থ পুকনিং হকচাংগী নুংঙাইনকম ওই। অসি পুম্নমক থংহনা ঐখোইনা ঙাহৌঙম্ববা লাকনসনা চুম্মি হাঙৈবা অহুদা করি চিংনকম লৈবগে?

ভরতনা মায়স্বা নিংবা।

দশরথথ নিংথোনা মচা অহন রামচন্দ্রবু মতিক চারে হাঙৈবা উহুনা লৈবাকঙাকপগী থংক পুম্নমক শিন্নরগে হাঙৈনা নিংলকলে। দশরথনা মমাংঙৈদা কৈকেয়ীদা বর অনি পীগে হাঙৈহুনা রাশকখিবা অমা লৈ। রামনা নিংথৌ ওইগদৌরে হাঙৈবা তাম্নহুনা মাহাকনা মন্থরা কৌবী মনাই মুপী অমগী থৌইনশিন্নগী রামবু চহি ১৪ উমংদা চৎহন্নু অমসুং ভরতপু নিংথৌ শেম্মিয়ু হাঙৈহুনা নিবকলে। মপা নিংলবা বামনা মনাও লক্ষ্মণ অমসুং সীতাগা লোয়নহুনা উমংদা চৎখি, অসোমদা দশরথনা মচা খাইনবগী রাবনা শিখি। মতম অহুদা ভরত্তি মীরৈবাক্তা লৈখিরমঙৈ। মাহাকনা মথন্নাইদগী হেন্না নুংশিজরবা ভক্তি তৌকম ওইরবা রামচন্দ্রনা উমংদা চৎথ্রে হাঙৈবা হেক তাবদা থীন্দনা অযোধ্যাগী অওমঅথৌ অপুন্না পুবহুনা রামবু অযোধ্যাদা অমুক হনখিয়ু হাঙৈবগী মরমদা মথাদা ইরিনা অন্নুমনা হাঙৈজখি।]

"ঐনা মীরৈবাক্তা লৈখ্রিঙৈদা ঐ থংদনা ইমানা ঐগী যনবনি হাঙৈহুনা শীনবিরমলিবা অসি ঐনা য়ানিংবা থবক নত্তে। ইক্ষ্বাকু বংশগী হৌনবী থুগাঙৈনা অযোধ্যাগী নিংথৌ ওইবদি থম্বু থমথ্রো মরোল অহুম্নক অসিঙৈ অগুপ্পা নিংথৌ ওইয়ু হাঙৈহুনস্থ পামজদে। ইমা হাঙৈবা অসি লাইনি, ইপা হাঙৈবা অসিস্থ ঐগীদি লাইনি অমসুং গুরুনি হাঙৈবা থংজে; তৌইগুরুসুং ঐনা ধর্মগী হৌনবী, শাগেগী হৌনবী পুম্নমক থুগাঙৈহুনা হন্দকী মফম অসিদা ইপা-ইমাগী য়াথং ঙাকপা ঙম্মরোই। অসি পুম্নমক হৌথ্রে, হৌথ্রবগীদমক বারুহুনা কাম্নত্রে। হৌজিক শ্রীরামনা মাসি পুম্নমক কোকনবা হোংনবিত্রবদা ঐবু পোকপী ইমা, অযোধ্যা, পোকপাদগী মনাই ওইজরকলবা ভরত পুম্নমক অসি মরু ফংনা মাংবা তাথ্রে, রঘুবংশদা পাবুং মহারাজগী কন্তবা মিংচৎ লৈহোবা তারে।

মরম অসি পুম্নমকনা অকুপ্পা বাথন তৌবিহুনা অমুক হন্দুনা অযোধ্যাদা লেংশিনবিরো। অযোধ্যাগী অশিংবা মন্ত্রী অমসুং অওম্বশিংগা তাম্নহুনা পাবুং মহারাজগী মহুৎশিন্দুনা অমুক পৃথিবী অপূর্বা লাকপিয়ু। বশিষ্ঠনচিংবা মন্ত্রথংবা ঋষিশিংবু মফম অসিমক্তদা অভিষেক তৌজহল্লগে। অভিষেক তৌবা লোইরগা অযোধ্যাদা লেংবিহুনা লাইরৈবাকী মপু শোবারেনগী মতৌগুমনা

পাম্বোমগী পাঙ্গল্লা য়েকনবা অপুম্ববু ঙম্বিহনা লৈবাক ঙাকপিয়ু। ইমা কৈকেয়ীগী অথীবা মিংচৎ অসি কোকহনবিহনা ঐখোইগী ঈরাৎনকম ওইরবা পাবুং মহারাজবু অসিগুম্বা পাপ অসিদগী ঙাকপিয়ু। ননাইনা হাঙ্গীজরিবা অসি তাবিত্রবদি শোঙ্গীদনা উমংদা থৌগন ইনগনি হাঙ্গীহনা রাশকচরি।"

ভরতনা থুরুমলহনা হঙ্গংচরিবা রাহৈ পুন্নমক অসি তারবমক্তদস্থ রামনা মাহুদা য়াবা ঙমখিদে। লৈরমলিবা পুন্নমকনা রামগী রাশকাচংপা অমস্থুং মপাগী য়াথংঙাকপদা পামশিনবা উহনা অমুক্ত-ওইনা মুংঙাইবগা অরাবগা য়ান্নখি। মুংঙাইবদি— মাহাক্কী রাশক চেংপা উবদা। রাকুবনা— অযোধ্যাদা হনবিয়ু হাঙ্গীবা য়াদবদা। মতম অহুদা অযোধ্যা সহরগী মী অপুম্বা, ঋষিশিং অমস্থুং মহারাণীশিংনা মমিত্তা পি শিন্থরহনা ভরতপু থাগৎলকই অমস্থুং রামচন্দ্রবু অযোধ্যাদা হজিনবিয়ু হাঙ্গীহনা হাঙ্গীজরকই।

মতম অহুদা রামনা হাঙ্গীরকই, "ভরত। নংস্থু পাবুং মহারাজনা পোকপনি। নংনা হাঙ্গীরিবা অহু নংনা হাঙ্গীগদবমক মতিক চাবনি। তৌইগুম্বস্থুং য়েংউ, মমাংঙৈদা পাবুং মহারাজনা (নংবু পোকপী) ইমাবু লৌঙৈদা কৈকেয় মহারাজদা রাশকখি। "মহারাজ! নহাক্কী নচা মুপী অসিনা পোকপা মচা অহুদা ঐনা লৈবাক পীগনি।" অহুগা মতুংদা লাই হিংচাবগী লানফমদা পাবুংনা ইমানা তৌবা সেবাদা পেনহনা বর অনি পীগনি হাঙ্গীহনা রাশকখি। অহুগী মতুংইন্না ইমানা নংনা নিংখ্রৌ ওইবা ঐনা উমংদা চংপা অসি নিরিবনি। মহারাজস্থ তৌনিংঙাই লৈতহনা য়াবা তাখি অমস্থুং ঐনা বনদা থারকইবা অসিনি। হৌজিক্তি ঐদি রাশক ঙাকনবা উমংদা লাকলে— নংস্থু পাবুংগী সনায়াথং মতুংইন্না অমস্থুং রাশক ঙাকনবগীদমক থীন্দনা লৈবাক ঙাকপা হৌরো।"

মাহু তাবদা রাগ্রহনা ভরতনা হাঙ্গীরকই "শেম্বু ওইবা বামম্না মাগী শেল ফংননবগীদমক্তা শেলাতোনবা মীগী থোং লোন্দনা থম্বা অহুগুমহনা, রঘুনাথনা হেক লেংঙক্লি_রা ফাওবা খাংপোকশং অসিগী মমাংদা চরাহেন্দুনা লৈপাক্তা তাহনা লৈগদবনি।" অসি হাঙ্গীহনা ভরতনা কুশগী ফিদা থান্নহনা লৈপাক্তা হিপথখি। রামনা হাঙ্গীরকই "ইবুংঙো! ঐনা করম্বা কাঙ্গীরুহনা নংনা অস্থুম্বা লমচৎ চৎলিবনো? হৌজিকমক নংগী রাশক অসি থাদোক্লুনা অযোধ্যাদা হল্লো।"

মতম অহুদা ভরতনা হৌগৎলহনা হাঙ্গীরকই "লৈবাক্কী অঙম্বশা তাবিয়ু; মন্ত্রীশিংস্থু তাবিয়ু; ঐনা ইপাগী খুভম নিজবস্থু নত্তে; ইমাদা ঐনা মাসি নিবিয়ু হাঙ্গীহনা ঈনশিনবস্থু নত্তে; অহুগা ধর্ম্ম কাঙ্গীত্ররবা রামচন্দ্রনা উমংদা চৎকনি হাঙ্গীবা অসিস্থু ঐদি থংবা নত্তে। হৌজিক ইপাগী য়াথং ঙাকপা, অমস্থুং অস্থুমনা লেনবা অসি মাহাকনা খোঙ্গীদারবদি ঐহাকমক মাগী মহুৎশিনবগী মওং ওইনা চহি ১৪ উমংদা চৎলগে।"

ভরতক্কী বাহৈ তাবদা রামনা ইঙকঙকলহনা অযোধ্যাদা লৈবা মী পুন্নমক্তা হাঙ্গীরকই য়েংউ, "ইপানা হিংলিঙৈদা লৈবা, য়োনবা নহ্রগা বন্ধানগী মশক ওইনা পীনরমলবা অহুব থৌশাদবদি ভরতকী অমস্থুং ঐহাক্কী অফবা থবক ওইরোই। মরম অহুনা উমংদা চংপদা মহুৎশিনবা মী

হাপ্পদি ঐগীসু অথীবা মিংচৎ লৌহৌরগনি। ইমা ইবেম্মা কৈকেয়ীনা হাঙ্গীবসু অচুম্বানি, পাবুং মহারাজনা তৌরমলিবা অদুসু অরানবা নত্তে। ঐনা ভরতপু মুন্না খংই। মাহাক্তি ঙাকপিহৈবা অমসুং অহল্লমনগী ইকাইখুমনবা ঙাকপা মীনি। মাহাকীদি করি অমতা লানফম লৈত্তে। ঐনা উমংদগী হল্লকলগা মাহাকা লোঈনহুনা অমুক লৈবাক ঙাকলগে। ইবুংঙো, ভরত! ইমা ইবেম্মা কৈকেয়ীগী নিংবা মতুংইন্না ঐসু উমংদা থোরকলে; নংসু পাবুংগী য়াথং অসি শোঈদনবা ঙাকউ।"

মতুং অদুদা ভরতনা খুৎলোন্নরদুনা অকিবগা লোঈননা রাহে মতেক মতেক ওইনা হাঙ্গীরকই "য়াম্বংনা শাগেগী হৌনবী মতুংইন্না নিংথৌ ওইবিদুনা ইমা ইবেম্মা কৌশল্যাবু পেলহনবিয়ু। ইতোমতনা অসুপ চাউবা লৈবাক ঙাকপসু ইতিক নত্তে; প্রজাবু পেলহনবা হাঙ্গীবা অদুসু ঐনা ঙম্বা থবক থোক্তে। লৌউবশিংনা কুমগী নোং ঙাইবগুমনা প্রজা, শাগেনাতে মরুপমপাং পুন্নমকনা রঘুনাথবু ঙাইরি। মরম অদুনা লৈবাক লৌবিরগা কনাগুম্বা অমদা শিন্নবিয়ু। য়াম্বংনা শিন্নবিবা মী অদুতনদি প্রজাশিংবু ঙাকপা ঙমগনি।"

ফুইনা হৌরকপা নোংবু ঙমজনবা ওইবা কুচু অমদি থম্বাল মাল্লবা মিংনা মাগী ওইরিবা ভরতনা অসি হাঙ্গীদুনা রামগী খুয়াদা ভুপ্রে, অমসুং হন্না হন্না মমাংগী মতৌগুমনা রামগী খুয়াদা হাঙ্গীজরকই। মতম অদুদা রামনা মাহাকপু মতম্পাক্তা পমলদুনা ঙান্নকাংঙবু ঙমজরবা নিংথিজবা খোঙ্গেম্না হাঙ্গীরকই। "ইবুঙো! মহৌশাগী ওইবা নত্রগা তম্বদগী পোকপা লৌশিং হৌজিক্তা থোরকলি। লৈবাক পুংহৌগে হাঙ্গীদুনা নংনসু য়ারে। হৌজিক অশিংবা মন্ত্রী অমসুং মরুপ-মপাংশিংগী পাউতাক লৌদুনা থবক তৌবা হৌরো। মুমিৎনা নোংচুপলোমদা থোরকলবসু, হিমালয়দা উন তাখিত্রবসু সমত্রুনা তোর্ব্বান থুমহৎপ্রবসু ঐদি ইপাগী রাশক থুগাঈবা ঙম্মোই। নংবু পোকপী ইমা ইবেম্মনা নংবু মুংশিবদগী ওইরবসু অপাম্বদগী ওইরবসু তৌথ্রিবা থবক অসি নং অমুক নিংশিংঙরগনু। ইমাদা তৌবা হৌনবা ভক্তি অদু কাঙ্গগনু।"

মতুংদা ভরতনা কোরৌহনবগুমনা মতিক চাউরবা, নিনিপানবা থাগুম নিংথিজরবা রামগী য়াথং তারদুনা হাঙ্গীজরকই। "হৌজিক অসিদা সনাখোংনেৎনরিবা খুরুম অসি লৌথোকপিয়ু মাসিবু মাংপ্রবা মণি ফংজবগুম ঈরাৎচহৌগে।" রামনা খুরুম পীরবদা ভরতনা খুরুম্মদনা হাঙ্গীরকই "ঐনা নিংথৌগী তৌগদবা থবক অপুম্বা খুরুম অসিদা হঙ্গত্তনা উকুশেৎ জটাপুদনা খুঙ্গংগী মপানদা চহি তরামরি শ্রীরামবু ঙাইদনা লৈজগে চহি ১৫ শুবগী অহানবা মুমিত্তা শ্রীরাম সীতা লক্ষ্মণবু উবা ফংত্রবদি মৈন্নুংদা চোংশিন্দুনা শিগনি হাঙ্গীদনা রাশকচরি।"

শ্রীরামনা ভরতনা হাঙ্গীজবা অদু য়াবিরদুনা হাঙ্গীরকই "ভরত! ঐহাকনা জানকীগা লোঈননা নংনা হাঙ্গীরিবা পুম্নমক অদু য়ারদুনা রাশকলি। নংনা ইমা কৌশল্যাবু নিংথিনা সেবা তৌরম্মু; নংনা অরাৎপা পুম্নমক হংদনা হিরম অমত্তদসু ইমাবু মুংঙাইতবা তৌহল্লমগনু।" অসি হাঙ্গীদনা শ্রীরামনা হীকনা হীকনা কপলকই।

শ্রীরামগী য়াথং পুমনমক মকোক্তা হাপতুনা ভরতনা খুকম্ম অদুবু শামুদা থাল্লংতুনা ময়াম্বু য়েংঙইননা কোঈরে। ধর্ম্মচেল্লবা রামনা শাগেগী গুরু বশিষ্ঠনচিংববু মতিকচানা ইরাংলেং মতুংদা ভরত, শত্রুঘ্ন অমসুং মন্ত্রীশিংবু ঙমনা কোম্লরে। মতম অদুদা নিংথৌগী মহারাণী অপুম্বনা রামবু থাইনগনি হাঈবগী রাবনা খোঙ্গেল রাংনা তেংথাখি। রামচন্দ্রনা পুম্নমক্কী খুরাদা খুরুমদুনা থাংপোকশং তাম্না লেংশিনখি।

হাকং

১। ভরতনা ময়াম্বা নিংবগী মরমদা করি খংবগে হাঈবু।
২। 'রামনা বন চৎপগী' মরমদা রচনা অমা শেম্মু।

চীংগী লৈরাংঅমদা।

লৈখাং নংবু কনানো ?
লোইবী চীংগী নাপোমদা,
পামেল ক্যামলৈ মথক্তা,
লৈকা ফম্না নোকইবা ?

শীঙেন নমাম্নবসু উদা,
লৈরাং শামাম্নবসু যাওদা,
লৈবাং কনাবু য়েংদুনা
ফৈরা'থক্তা ঙাল্লিবা ?

মেলৈ লৈস্না মুংজুম্পান
কদাম্বদি লৈমুংশি !
লৈরাং লৈচন খংদনা,
মাংগঙবা পাম্মুইদো !

থাইনগী লৈরাং অমনবা,
মল্লা মল্লা লৈমুংশি,
লৈরাংবিনবা লৈতবনা
লৈমনিংথৌ যৌদ্রেদো ?

লৈবাং নংবু উবদা,
নংগী রাসু নিংশিংদা
ঐগী রাসু খল্লুদা,
রাখনগী ঈথক হৌরিবা।

শীঙেন নংবু উবদা,
লাইবক ফবা কনিনা
চাংজৌ নাইদবা ঈপাক্তা
রাখনগী ঈপাক্তা লুপলিবা।

মুংশিরবা মরুপলোই।
ঐনা তোমশাৎনবদি
উবিবসু কল্লক্তে,
থাগৎপসু মিয়্রৌদে।

মপুগী খুত্তম অচিকপা,
অপাম্বা নংগুম্বা কনানা,
লাক্তনা য়েংগে য়েংসমু
লৈরাং পুকনিং পেনগনি

নিমাইনা মরূপ নিংবা।

বৈষ্ণব ধর্ম্ম শঙ্গোকপা চৈতন্যদেবগী মমিং নখোই পুন্নমক তাররিগনি হাঈনা নিংঙি। ওইখোক্তবা মতিকমগুণা মাহাকনা নহাওইরিঙৈদনা মপালনাইত্রবা মহৈগী মপু ওইবা ঙমখি। মতম অতুগী চাউরা চাউরবা পণ্ডিতশিংনা মাহাক্কী ওইখোক্তবা মহৈ অমসুং মহৈমশিং হৈবগী হৌনবা গুণ পুন্নমক উবদা ঙকনখি। মহৈ হৈবগী লৈবাক ফাওরবমক্তদসু মাহাকনা মহৈগী নাপল তৌবা লৈখিদে।

মমিং চৎলবা "ন্যায়শাস্ত্র" খংবা রঘুনাথ হাঈবা অতু নিমাইগা তম্মিন্নবা বাসুদেবগী ছাত্র অননি। অমসুং নিমাইগা য়ামনা চান্নরম্মী। বাসুদেবনা রঘুনাথবু য়ামনা চান্নি, পিকলি হাঈদুনা নিমাইবুদি কয়া লুনা য়েংশিল্লমদে তৌইগুম্বসুং নিমাইনা মশাগী মগুণমক্তনা ছাত্র অপুম্বগী মকোকথোংবা মফম ফংবা ঙমখি—করি অমুক হাঈগনি মাহাক্কী ওঝা য়ৌনবু ছাত্রগী মফমদা মাইপীবা ফংবা তাখি।

নোংমা নিমাইনা রঘুনাথগা লোঈননা গঙ্গাদা হি তোংদুনা কোঈরম্মী। অসিগী মমাংদগী রঘুনাথনা হৌজিক ফাওবা ভারতা মমিং চৎলবা দধিতি হাঈবা ন্যায়গী লাইরিক অতু লেংবা হৌগৎলম্মী। রঘুনাথনা নিংঙম্মী মাহাক্কী দধিতি হাঈবা লাইরিকা মান্ননা ফবা ন্যায়গী লাইরিক অমা থোরকলরোই। মরম অদুনা মপুকনিংদা য়ামনা নাপল তৌরম্মী। মতম অদুদা অসুম লাইরিক্কী ৱারী শানরকপদা নিমাইসু ন্যায়গী লাইরিক অমা লেংবা লাকনরি হাঈবা খংলে। মাহাকনা হাঈজবা মতুংইন্না নিমাইনা লাইরিক অদু রঘুনাথবু য়েংহল্লে। মাদু উবদা রঘুনাথগী মমিত্তা মপি শিন্থরকই।

চান্নরবা মরূপকী মমিত্তা মপি তাবা উবদা নিমাইনা য়ামনা অৱাবা থোক্লেন্না হংলকই "হে রঘুনাথ! নহাক্কী নমিত্তা পি শিন্থবা উবগা ঐহাক য়ান্না ৱাই, লাইরিক অদু ফত্রবরা অমসুং নংনা নিংবা থুংদ্রব্রা? মাদু তাবদা রঘুনাথনা খুমলকই, "নিমাই! হৌজিক্তি ঐনা নিংবা অপুম্বা কাঈরে।"

ঐসু নহাক্কী নতৌগুম্বনা ন্যায়গী লাইরিক অমা লেংবা লাকনরি। ঐনা নিংঙম্মী ঐগী লাইরিক অদগা মান্ননা ফবা ন্যায়গী লাইরিক অমদি থোরককম লৈত্রে। তৌইগুম্বসুং নংগী লাইরিক অসি পারগা ঐনা নিংথিন্না খংল্লে, নংগী লাইরিক অসি লৈরিঙৈদদি ঐগী লাইরিক অসিগী চন্নফম লৈতে। মরম অদুনা ঐনা নিংলম্বা, ঐনা নাপল তৌরম্বা পুন্নমক অসি মরুফংনা মাংলে।

অদ্দ তারবদা মরুপ নিংবা নিমাইনা "কনানা চল্লকম লৈতে, হায়ৈবগে" হায়দনা কুইনা লাংখংলকলবা লাইরিক অদ্দ মচেং মচেং শেংগাইদনা ঈশিংদা হুহ্রে। "রঘুনাথ, ঐগীদি মিংগী কাল্লবা লৈতে, নংগী লাইরিকনা ভারত্তা মমিং চৎপা ওইসনু, ঐ নংগী মিত্তা পি শিল্লবা উরবদি ঐগী থম্মোই অদি অরাবগী মৈনা চাকই" হায়দনা নিমাইনা রঘুনাথবু কোনখি।

নিমাইগী মরুপনিংবা উবদা রঘুনাথসু ঙকখি। হৌজিকফাওবা পৃথিবীগী জীব পুম্নমকসু নিমাইগী মরুপনিংবা অদ্দ তাবদা শুল্লংনরি অমসুং ফিদম লৌনকম ওইরি।

সীতা হৃবদা।

খুত্তা লৌরুং পাঈত্তুনা ইবুংঙো রামচন্দ্রনা
খাংপোকশং তমনা লেংলকলি।
লিনগী মপৈনা ওইওইনৈ লমহুইশিংনা যেংওইনৈ
ফত্তবা খুদমনা মাংএইনরকলি।
অহিংগী চেক্লা খিবিক্লা অরাবগী খোঙ্গেন্না
ভোঈনা ভোঈনা খোংলকলি।
মনাও ইবুংঙো লক্ষ্মণনা মারীচিনা কৌবদা
খাংপোকথাত্তনা লাকত্রা ?
কোনুং থাদুনা লেংলকলে অরাবা পন্দোল লোমলক্লে
অমুক্কা অরাবা ভাগত্রা ?
ইবুংঙো শ্রীরামচন্দ্রনা খোইয়ুম লাইবু কৌত্তুনা
সীতাগী মঙ্গল নিরকই।
নিংঙকপ'দু থোকলরে লক্ষ্মণবু মাংদা উরকলে
ইফিং'ফিংনা হংলকই।
করিগী ইবুংঙো নহাকনা জানকীবু থাদোক্লুনা
অশুকপা বন্দা লাকলিবা ?
দণ্ডক হায়বা বন'সিদা মতম লৈবা খিবিক্কা
হিংচাবনা চাকত্তারি।
অসি রাবু হায়দনা তুংগা মাংগা লেংদনা
সীতা সীত্তা কৌরকই।

অহাংবা থাংপোক উদনা ঙুংশি কোলোই তাদনা
লৈপাকথক্তা রাস্থখি ।

তনিক তনিকপা খোঙ্গেন্না মনাও লক্ষ্মণবু কৌদনা
অরাবা খোঙ্গেন্না হাঙ্গৈরকই ।

কবি অমুক হাঙ্গীসিবা সীতাবু কনানা হুপ্রবা
ছুজিক করম তৌসিগে ?

অসি রাবু হাঙ্গীদনা অমুক থীনবা তৌদনা
সীতাবু থিবা থোরকলে ।

মফম খুদিং হন্দুনা চীং লোক থাঙ্গীদনা
সীতাবু থিবা হৌরকলে ।

যেংপ্রবসু পেন্দদনা অমদা চামরক যেংহুনা
নারক নমদনা থিরকই ।

হোৎনবা মহৈ যান্দ্রবদা মনাও ইবুংঙা লক্ষ্মণদা
শ্রীরামচন্দ্রনা হাঙ্গৈরকই ।

হৌজিক কবি তৌসিগে মফম কদাই' চৎসিগে
কদাইদা চৎলগা সীতা ফংগবা ।

ঙুংশিহৈত্রবা রাক্ষনা মাইথোং থাদনা উদনা
ঙক্কুনা য়োৎখরবরা ?

শ্রীগী অনংবা উদনা মমা লৈপাক লৈমনা
মচাবু পুনশিনগ্রবোই ।

কৈকেয়ীনা নিংলকপা ঙসি ঙুমিৎ অসিদা
মপুংফানা থুংখরে ।

পঞ্চবটী উমং ও । সীতা কৌবী সতীদো
মফম কৈদা চৎপ্রবা ।

অসি রাবু হাঙ্গীদনা ইবুংঙা শ্রীরামচন্দ্রনা
অরাতেংথাবা হৌরকই ।

—— — —

কল্লকপা।

কল্লকপা হাঙ্গৈবা অসি মীওইবগী লৌখৎনিঙাই লৈত্রবা ফত্রবা পুকচেল অমনি। মাসিনা হুগী মতৌগুমনা মীগী ফজবা পুকচেনগী ওইবা য়াবা নিংথিবা শকফম পুন্নমক অমুক্তা ওইনা মাংহল্লি। কল্লকচাউবা, মীনা কল্লকপগী মৈনা চাক্কুনা মাংঙি হাঙ্গৈহুনা লাইরিক্লা হাঙ্গৈবদা করি লানবা লৈবগে? মাহাক্কী মপুকনিংদা অহিং মুংথিল কুম্বিকালেন থাঙ্গৈদনা অরাবগী মৈনা চাক্কুনদা লৈ; মাহাক্কী মশা অমম্লুং মাহাক্কী মপুকনিং অত্থু মাত্থমক্তনা লৈখা তানবগী মশক ওই— তৌগদবা থবক্তা মাইওনশিনবা ঙমদে। অস্নুমনা তেংবানবগী খৎনচৈনবা অয়াম্বদি বল্লকপদগী থোকপা উই। মী কয়া, জাৎ কয়া, লৈবাক কয়া কল্লকপগী মৈনা চাক্কুনা মাংশ্রবগে হাঙ্গৈবা অত্থু মমাংগী রারী খংবা মী পুন্নমকনা খংলিগনি হাঙ্গৈনা নিংঙি। অত্থুগা বল্লকচাউবা মীগী তমথীরবা পুকচেন অমা উই— মাহাকনা থম্বান্দা ত্তিংখং ননো অতৈ উদে, লৈদা তীন ননো অমা উদে, থাদা মাইহিং নত্তনা ফজবা অমা লৈ হাঙ্গৈবা খংদে, তেংবানবদা মাহাকনা ফত্তবা নত্তনা অফবা উদে। মাহাক্কা মাম্লনা মরাইবকগীবা কনা লৈবগে? তেংবানবব্ মুংঙাইবগী মফমনি হাঙ্গৈববদা মাত্থ যংবা ঙম্মোইদবদি মাগাক্তনি।

কল্লকপা হাঙ্গৈবা অসি মীথোই মীহুনবা পাম্বদগী থোকপনি হাঙ্গৈবস্থু বনাঙম্না হাঙ্গৈনি বা য়াই। তৌইগুম্বস্থুং মাত্থ করি করিগুম্বা মফমদা চুম্বা যাওরবস্থু পুবচেনচাউবা মী পুন্নমকনা মাত্থবু তুক্কচনৈ। অফবা খুভম ফংনবা তানবা হাঙ্গৈবা অসি খ্বাই পুন্নমক্কীমক তৌগদবা থবকনি। অফবা তানখৎনবগীদমক লেপত্রবা পুকচেন অত্থুদা কল্লক-মিহৌবগী চংফম লৈতে। চাওখৎনবগীদমক লাংতকনববা পুকনিং অত্থুনা অতোপ্পগী অফবা তারগা মুংঙাইনৈ অমস্থুং মাত্থ তাদনা মাদ উদনা মশাবু অমুক হেন্না চাওখৎনবা লাকনৈ। মাহাকনা অতোপ্পগী মাইকৈদা ফত্তবা মিৎয়েংনা যেংঙনবগী মতম ফংদে! অতোপ্পগী অফবা উরগা বল্লকইবা, অমস্থুং মাদদা মিহৌরুদনা অতোপ্পগী মাংনবা বাখন তৌরুবা ঙমলিবা মীশিং অদনা করমনা অফবা তানখৎলিবনি হাঙ্গৈবা যাবগে?

অওইবমক বল্লকপা হাঙ্গৈবা অসি য়ামনা পুকচেন পিকপগী খুদমনি। মাহাকনা মীগী অফবা উরগা কল্লকউরিবগী মরম্ব করিনো? মাহাকনা খল্লি, মাহাকস্থু ফংজবা যাবা নত্রগা মাহাক্কী ফংফম থোকপা পুন্নমক হোংবা অসিনা চাওবা অদনা ফংগ্রে মরম অদনা লম্ফম নত্রগা অফবা মিংচৎ করিগুম্বা অদ মাহাক্তি ফংবা ঙম্মরোই হাঙ্গৈনা খন্দুনা মাহাকনা মিহৌই। তৌইগুম্বস্থুং মাহাকনা পৃথিবীদা পোকলিবা মীওইবা পুন্নমক অসি অফবা খুভম ফংবা য়াবঙাক্তনি। পাব-চাউরবা পৃথ্বী অসিদা খ্বাই পুন্নমক হিরম অমদা নত্রবস্থু হিরম অমদা চাওখৎপা নত্রগা মিংচৎফংবা য়াবঙাক্তনি হাঙ্গৈবা খংলমলবদি কল্লকপা তোক্কুনা মীগী অফবা উদনা হয়াওবা ঙমলমগদবনি। মাহাকনা চাওখৎনবা লমীদি মশীং নাইদবনি, মী পুন্নমক অসি হিরম অমদা নত্রবস্থু হিরম অমদা

মীকোকথংবা ওমনবা হোৎনবা য়াবৎত্ৰক্নি হাঙ্গৈবা খাল্লমলবদি মীগী চাওখৎপা উরগা, মীগী অকবা তান্নগা কল্লকপা ভোক্নুনা মাহাক্কী অমম্বুং মীওইবা জাৎকী মঙ্গলগী মশকনি হাঙ্গৈনা নিংবা ওমদ.না পেন্নরমগদবনি।

কল্লক-মিহোৎজাওবা মী হাঙ্গৈবা অসি অমরোমদা হাঙ্গৈরবস্থ মশাদা মীবু মুংশিহৈবগী পুকচেল লৈতবা তমথীবা জাৎনি হাঙ্গৈবদা লানফম লৈতে। মাসিদগী মীবু তাথীবা ভাংনিংবগী পুকচেন লোকই। কল্লকচাউবা মীতনা মীগী ফত্তবা উরগা অকবা পুন্নমক কাউথোক্নুনা মীবু তাথীবা ভাংনিংবনি। অওইবমক কল্লকপা হাঙ্গৈবা অসি ভেংবান্নবগী মীওইবা পুন্নমক্কী থীরবা মিংচৎ অমনি। মস্থপানবা খোইগুমনা মশানা ফংফম থোকপা করিগুম্বা কান্নবা অমতম্থ লৈতনা মীগী থমোইদা চিকনুরিবা, অচুম্বা মরম অমতম্থ লৈতনা মীগী মনিংমথাতম্বা অমম্বুং ইকাইখুমনবগী মথক্তা থরদং য়েথাঙ্গৈবা পীবা ওমলগা পেন্নরিবা অমদি পৃথিবীদা মশা নত্তবা কনাগুম্বা অমগী নিংথিবা মিংচৎ, ইকাইখুমনবা অমম্বুং চাওখৎপা উরগা অৱাবা মৈনা চাকলিবা অদুগুম্বা কল্লকপা পুকচেন অদু মী পুম্নমক থাদোকপনা মতিক ওই।

শিবা।

ওসি শিনি পাউচেন্দে,
হয়েং শিনি পাউতাক্কে,
লৈরাং লৈথোক লোঙ্গৈরগা, হৈরাং মমুন কান্নগা,
মালেম থক্তা কেনথিগনি।
শিবগী মতম খংবরা?

নুমিৎকী তানবা মতম লৈ,
উনাগী কেন্নবা মতম লৈ,
অমং য়াইথোং কুম্বনা, চান্নবা মরূপ শাহ্নুনা,
মিনা হকচাং মতুংইনবগুম,
অশিবনা ঐথোই হৈতুং ইন্নকলি।

সমক্ত ঈপাক থক্নুদা,
চিকমাংনবা কোঙ্গোলগা,
তাইবং য়াঙ্গোনশং হুদা, তাইবংমোংকম মথক্তা,
মীওইবগী মপোকক্তা,
কন্নি খেন্নবা লৈবগে?

নোংমদন ডিয়া থকুদা,
ফুইনা হোৎবা নোংলক্তা
নোংথাংগী জগোই শাবগুম   ফকলাংদা লৈতুম থাবগুম
তাইবং লীলাগী ফম্বাক্তা
উৎলমলগা মাংখিপনি ।

ভীষ্মনা কদাইদনো
নৈপোলিয়ান্না কদাইনো
তাইবং লাক্ষমথক্তুদা   লানঙম ফিরান থেৎলগা
মিংচৎকী যুম্বী যুংহনা
লোইনা নোংগানখরে ।

নিনিগী শাবা মযুমনি
শিবগা লোইন্না মাংগনি
মাং তুং যেংদনা   তাইবং ঈপাক্তা পাইহ্না
ঈশিংদা কোদ্‌লোন তাকপগুম
মৈতান্না রাখৈনরনি ।

ধর্ম্মনা লেংদবা উপান্নি,
মিংচৎনা মাংদবা মরন্নি,
তাইবংপান্দা পোক্নুনা   তাইবং থবক পাংহ্নুনা
মিংচৎকী উরোং খিল্লম্ম,
পোকপা মহৈ যাহন্নু ।

বাহৎ ।

১। ব্লারেং অসি নঙাগী লোন্না ইথোকউ।
২। মাস্তিগী পাউতাক করিনো ?

মপুনিংবগী অথেংবা খুদম।

রাজপূত শাগে অপুন্বগী চাউথোকক্কম ওইবা য়াবা মন্তিক মগুণ চাউরবা সংগ্রামসিংহ নোংগাগ্রে। মাহাক্কী লেংজ্রবা মথৌনা অমস্তুং পান্দমনিংঙাই লৈত্রবা অথৌবদি তেংবানবদা অতাংবনি। ইকাইখুমনলবগী মশক ওইবা খুৎলাইমক্কম মন্নিমুখকমা মশাদা লৈতেংলম্মী। য়েক্লবগী ফত্তবা পুকথিন অমস্তুং কল্লকপগী লাংদা থুত্তনা ঙসি রাজপূতকী তাংথক নাইত্রবা থাগী মশক ওইরবা সংগ্রামসিংহনা মুংশিনবা লৈত্রবা তেংবানবা থাদোকলমহুনা ঈংলবা লাইরৈবাক য়োৗগ্রে। ৌইগুম্বসুং অরাবদি মিবারগী ঙাম্মোইরবা মুমিং অসিনা তাথিবগা লোইননা বাপ্পারাওগী শেংলবা লববা শাগে অসি নির্ব্বংশ ওইনা মুৎকদোরি। মরমদি পিকলবা অঙাং উদয়সিংহসু হৌজিক্কি যেকনবগী মখুৎ চনখরে।

থোবলগাদৌবিবা অরাবগী মবমদা খংত্রিবা উদয়সিংহনা হৌজিক ফাওবা চাত্থনা থক্লুনা মুংঙাইবি। নিংঙাইবা লৈতনা ভূমলি। অসোমদা তমথীরবা য়েক্লবনা মাহাক্কী য়েকনব ওইরিবা বাপ্পাগী শাগেবু মকফংনা মাংহনগে হাঙ্গবগীদমক চংশিল্লকলে, মাহ্থ মাহাক্লা খংবা লৈত্রি। অবাবনি! ঙসি মিবাবগী শেংলবা নিংথৌগী ধারা অসিবু কনানা কনবিরগবা! মীনাই মুপীগী মচা বনবীবনা মিবাবগী সিংহাসন পাম্বগী মবমনা মিবারগী পোমলিবা লৈরাং অসিবু পোমলিঙৈদা মাংহনগে হাঙ্গত্থনা চংশিল্লকলে।

বনবীবনা শঙোকলবা থাংগী জাগোই শারত্থনা, নোংশাগী লাল্লাও লাউরত্থনা উদয়শিংহগী ভূম্ফম তাল্লা চংশিল্লকলে। মাংদা যোকচবী পাল্লাবু উত্থনা বনবীরনা লাউরকই "পাল্লা! উদয় কদাইদা লৈগ্রবগে?" হৈশিংলবী পাল্লানা বনবীরগী লাকলিবা থোংথাং উবদা পুকনিংদা চিংনবা পোকলে। চথোকলকলিবা থবক্কী লমদা চংশিনবসু ঙমদ্রে, হৃজিনবসু ঙমদ্রে। বনবীরগী অঙাওবগী মতমগুম্বা ফিভম অত্থ উবদা চিম্বাল কংথিরম্মী— মাহাকনা বা ঙাংথোকপা ঙমদ্রত্থনা খুদোম্বীনা মাহাকনা পোকচবা মচানা ভূমলিবা কাংথোন অত্থদা থিল্লমলগা অত্তোম্বা পাম্বৈ অমনা উদয়সিংহবু লাম্বনগী মপান্দা পুথোকনবা লাকনখি। বনবীরনা য়োকচবীগী মচা অত্থবু হাৎলগা অত্তোম্বা মাংবগী থবক অমা পাংথোকনবগী থোকথিরম্মী। সংগ্রামসিংহগী মুৎথিগদৌরিবা ধারাবু ঙসি নানা কনবিরগবা নিংঙম্মী। ঙসি পাম্বৈ লৈত্রবা তোল্লবা মুপীগী জাত্তসু পোকলবী য়োকচবী মমনা অকনবা য়েকনবগী থয়াত্তগী উদয়সিংহবু কল্লে। মাহাক্কম্বা মুপীগী মক্কমদদি মশাগী মথৱাই লদি অরাইবনি; মপুক্তগী থোকপা মচাবু যেকমবদা কথোক্লুনা মবুংঙোগী মচা কনবা হাঙ্গবা সি মুপীগী মরক্তা অতাংবনি।

উনা করি হায়রিবা ?

পারেং পরেং হৌরিবা পৃথ্বী লৈতেং ওইরিবা
উইহৈপাদী খিবিকনা৯
তাইবংমীবু নোকমদ্রি হয়া হয়া পাউমেন্রি
মীগী পংবা উদ্রেনা !
ননগী মপু ওইরগা মীকোক খোংবা ফংলগা
করিগী নকোক হাইগৎপা !
অমাবদা তারগা অনংবা দশা ফংলগা
করিগী মীখোং চুপ্পনা !
ঐথোই উগী মতৌগুম মরাইলুকনা চৎপগুম
মহৈগী নাপল তৌগনু !
তাইবংমীগী মতৌগুম মীগী খুয়াম্বা চংবগুম
ইকাইখুমনবা থাগনু ।
শাউদববু ঙমজবা য়েংউ ঐথোই উগুম্বা
কনা উবা লৈবগে ?
ইকোক'থক্তা ফুজারো চৈনাখোনবু পীজরো
অথুম্বা উহৈ পীবিগে ।

বাহং ।

১। বারেং অসি পড়া তৌখোকউ ।
২। উজগী ঐখোইগী করি তমনিংঙাই লৈবগে ?
৩। বারেং অসি ভাবার্থ করিনো হায়রু ।

আরব অমসুং মহম্মদ।

আরব হাঙৈবা অসি এশিয়া মহাদেশগী নোংচুপথংবা সমক্ল তোর্ব্বান্দা লৈবা লৈবাক অমনি। মাসি মহৌশাগী অকিবগী মশক ওইবা শকফমনা তিল্লবা লৈবাকনি। মাইকৈ মরিদা লৈঙোইনা মৈখু কাবগুম ফুং ফুং কারি। মফম মকম খুদিংদা ঈশিং, উ রা নাপী-শীংবী হৌদ্রবা লৈকংলানা মপাল নাইত্রবা মৈগী সমক্রগুমনা তাহুনা লৈরি। মফম অমদা উপাল রাপাল হৌদ্রবা চীংজাওনা পনগুমনা খাজিল্লি। হুমিং খুদিংগী শারবা মুমিংকী মৈশানা প্রলয়গী মৈগুমনা আরব লৈবাকপু চাক্লুনা থমল্লি। মীগী পুকনিং হকচাংবু ইংহল্লিবা মুংশিংনা মৈরিক্তা লোঙৈননা শিত্তনা আরবচৎপা মীগী রাহন্নবগী মশক ওইরি। লৈঙোই মরিকনা অতিয়ামালং অসি তত্তনা মমহুনা লৈ। মরক মরক্তা ঈশিংচেনবা নাপীহৌবা লমদম ফংঙি; তৌইগুম্বসুং মাহুগা পান্দমনরুবদা মাইকৈ মরিগী লমদম অহু অমুকহেন্না অকিবগী মশক ওইনা নিংহল্লি। চীংদগী তুরেন চেন্থরকই; তৌইগুম্বসুং চৎলমচৎফাক্সিঙৈনা থৌরাংলবা লৈকংলমনা যোৎশিল্লি। মফম অমদা চহি কুমজা অসুপ কুইরবা অসি নোংগী মবিক অমতা তাদ্রি। তোর্ব্বান্দা লৈবা লমদম খবা নক্লনা আববকী মফম পুম্নমক্তা অসিমঙাই।

অসুন্ধা অকিবগী মশক ওইরবা লৈবাক অসিদা জাৎ অহুমথক তারম্মী। জাৎ অমনা খুজংগ্না লৈহুনা আফ্রিকা, পারস্য অমসুং ভারতবর্ষগা লল্লোল্লি। জাৎ অমনা উটকী পাথৈনা মরুভূমিদা লল্লোনপোৎ পুহুনা মিশর, পালেষ্টাইন, সিরিয়ানচিংবা লৈবাক্তা হন্নৎহন্দা চৎলি। অহুমগুবা জাৎ অহুদি শগোল, উট অমসুং য়াউ পুহুনা মাইকৈ মরিমক্তা কোইচং চৎলি। মাখোইগী লৈনবা ঙম লৈরমদে; হুমিং তরানি লেন্নবা মফম নাইরমদে। মী তাত্রবা লম্পাক্তা, চংনথোকনত্রবা লেকংলাদা কোঙৈহুনা মতম লেল্লি। মাখোই অহুবু বেদুইন কৌই। নিংথৌ কয়াগী খুত্তম কাঙৈত্রে, পৃথিবী অসিদা হোংবা নত্রগা ওনবগী ঈচেল কয়া চেনত্রে, তৌইগুম্বসুং বেদুইনশিংগীদি হিবম অমতদসু ওনবা হাঙৈবা লৈত্রি। মাখোইনা মনিংমখাতস্বনা খুাইদগী হেন্না পামহুনা চীংমান্দতা লেনিংই। মাখোইনা হাঙৈ "লাইনা এখোইগী লুহপকী মহুত্তা কোয়েৎ, লাম্বনগী মহুত্তা কবাকথাং, ঙমগী মহুত্তা দম্বুর অমসুং নিংথৌগী হৌনবী (আইনগী) সী মহুত্তা রারাং পীনবিরম্মী। মখোইনা কনাগী রাবকইনবা লৌতে, অতিয়াদা পাইবা উচেককুমনা, লৈকংলাদা শিংপা মালংবগুমনা মফম খুদিংদা মনিংতমনা কোঙৈচং চৎলি। মাখোই অসিগী মরক্তা শাগৈ রামনা থাঙৈরি। মাখোই মশেনমকী মরক্তা অহিং কুংথিল থাঙৈনা কল্লকপা য়েকনবা অমসুং লানগী মৈনা অমুৎপা নাইদনা চাক্লুনা লে। অহুগা চহি অমগী মনুংদা থা মরিতদি অশেংবা থানি হাঙৈনা নিংহুনা থংনবা লোকই; মতম অহুদদি মখোক্তগী থাং শত্তোক্লনা থমই। মনুং অহুদা মাখোইগী মপামমা হাৎপা মীমক উনরবসু মাখোইবু য়েংথীবা তৌক্লদে।

মাখোইগী মরক্তা অমুক, হৌনরবা চৎনবী হাঙ্গীবা নাইদে। নিংবু নিংলবদি অমুন্দা যুগী যামনা হেক থি, অদুগা খুদাং চারোইদবা উরগা মাখোই পুন্নমক অদু থাইনদনা অরাবগা ঈপাক্তা হন্দোকপদসু মখোইনা কুরি অমত্তা চিংলবা ঐদ্রে। মচানুপী পোক্কনবদি ফজবা খুদমনি হাঙ্গনা খন্দনা মতম অয়াম্বদা হিংনা হিংনা হেক যুমজিল্লি। হুব্রানবতনা মাখোইগী মথবাই হিংনৈ। মরুভূমিদা লল্লোনবা মী উরবদি অরাপ্পা মফমদগী ইথংখংহৌদনা ল্লেংকৈথা মওইংমনা লানকুম্বা হাৎলমলগা মিৎনা কুপ্পা অমগী মনুংদা কদাইদা চংথিবা খংবা ঙমহৌদ্রে। অদমনদি ওইরগা মীয়োক মীচান ফবদসু হাঙ্গীনিংঙাই লৈতে। লংক্লৈচৎপশিংবু মাগী মাগী দম্বুরদা থুংহনবগী-দমক্তা মাখোইমশেল ইমুনাইমু তানবদসু হনবা তৌদে। অহিংদা লম্ফাংনরগা লংক্লৈচৎপা মীশিংনা মাখোইগী লৈফম উনবগীদমক চীংদোদা নৈ থাদনা থনই। মাখোইগা লোয়িননা অমুক্তং চাম্নিমবা ফংলবদি মী অদবু মাখোইনা অমুক যেংথিবা তৌদ্রে।

তম্পাক্তা লৈবা আরবশিংনা অযুক অঙনবদা নোংপোক মাঙৈকদা থোরকপা অনৌবা থুমিৎকী নিংথিজবা উরগা অমদি থুমিৎযুংবগী শারবা থুমিৎকী মশেকনা মশাদা হৈরগা মাহাক্কী পান্দমনিংঙাই লৈব্রবা মতিক-মগুণ অদু উত্তুনা মপুকনিং তুজুং হরাওনৈ। অদুগা মমৈদা থুমিং অদুনা নোংচুপ চীংয়া পকথ্রবদা অমসুং মমলবা অতিযাগী মশাদা অমমম ওইনা মশীংনাইদ্রবা থবাম্মিচকনা শাত্তোকলকপা উবদা লাকপা ঙমদ্রবা আরবশিংগী থম্মোই অদু হুংঙাইবনা থুডুম-চনখিহনা থুকউ লৈবাকতা, খুবাংচাংজৌ লোম্ননা মাহাকপু লৈশিলৈথোক্লি। অদুগা অহিংদা তাংথক মাইদ্রবা থাগী ইংলবা থাবম্না শংবানবা অতিয়া অপুম্বা শীনবথুংনা ঙাল্লকলবদা মতম অদুগী নিংথিজরবা উত্তুনা হৌনবা থংদ্রবা আরবশিংগী থম্মোই অদু গুম্লংলি। শজিক-থবানা থোকপা তাবা, গ্রহশিংনা অতিয়া মকোঙ্গদা কোঙ্গবা, মাখোইগী খোংচৎ মতু ইম্না নিংথম-কাঙ্গীমচিংবা খতু থাঙ্গবা, থৌত্তুনংথক ফাওবা অনৌবা য়েগো চোংবা, অনৌবা হৈরাং লৈবাংনা পামেল লৌতেংনবা উরগা মাখোই অদুবু মাখোইবু লোইবা মপুনি হাঙ্গনা নিংথনা তংগীরবা আরবশিংনা মিৎলুদা তরংলাইজা শিন্তনা মাখোইবু ঈরাংলি।

অসিদসু নত্তনা শগোল, উট, উ বা, চীং অমসুং নুংনচিংবদু ঈরাংনরমঙ্গ। শাগৈথুক্লিংমক্কী ক্লোঙান ত্রোঙানবা লাই অমসুং লাইফং লৈরম্মী। ঈরাংলিবশিংনা লাইবু সেলহনবগীদমক লাইদাংদা মী কম্না ঙমলবদি য়ামনা নুঙাইনৈ। মক্কাদা কাবা হাঙ্গবা লাইশং অসি আরবতা লৈবা জাং অপুম্বগী য়ামনা লুনা তৌনফমনি। মাসি খৃষ্টাব্দ হৌদ্রিতৈগী মমাংদগীনা আরবতা মমিং চংলকম্নবনি। কাবামস্জিদতা লাই ৩৬০ রোম থমলম্মী। আরবশিংনা চহিগী মনুংগা নুমিৎগী লাই অমমমবু ঈরাংলি।

রোমশিংনা পালেস্তাইন লোত্তনা য়িহুদিশিংবু নৈবা হৌরকলবদা অমম্বি জেরুজালেম শহরনা মুংথবদা মশীংলাকঙমদ্রবা য়িহুদিনা আরবতা খুন্দাবা হৌথিদি হাঙ্গবু মাখোইসু মফম অসি হেক

যৌরকপগা মপামপুগী ধর্ম্ম লাই হাঙ্গবা অসিদি অমত্তনি হাঙ্গবা অহু কাউথিহনা মখলমথা অয়াম্বা লাই শাহনা ঈরাৎপা হৌরকলে। মাখোইনা অরিবশিংদা ধর্ম্মগী মরমদা থোইদোকপা অফবা খুদম উৎপা ঙমখিদে। মরৈবাক্তা লৈবা ঙমখিদ্রবা খৃষ্টান পাদ্রীশিংনা অতম অমদা আরবকী চীংযা তময়া পুম্নমক্তা খুদ্দাখিদি হাঙ্গববু মাখোইসু আরবতা লাকলগা খৃষ্টধর্ম্মগী মরুওইবা বা কাউথোকখিহনা মেরী অমসুং যিশুগী মূর্ত্তি ঈরাৎপনা মকওইবা ধর্ম্মনি হায়না নিংখি।

অসুমনা ঐথোইগী এশিয়া মহাদেশদসু ধর্ম্ম কয়া মথংমথং ওনখ্রে। পৃথিবীগী অয়াম্বা শকক্তা বৌদ্ধধর্ম্মগী থরাইশোকলবা মীগী পামনফম ওইরবা থৌজানগী বা শন্দোকখ্রে; তৌইগুম্বসুং মথীরবা আরববী মফমদদি ধর্ম্ম অহু যৌবা ঙমখিদে।

আরবকী অসিগুম্বা অৱাবা মতৌ অসি উহনা ঈশ্বরনা মাহাকী মতিকচাবা মুপা অমা মক্তা সগরদা থাবিরকলম্মী। অওইবমক হজরত মহম্মদনা পোকপা অসি মতমকুইনা লুপ্তনা লৈরবা নবকী কোমদগী আরবপু কনবিনবগীদমকনি। পৃথিবীগী ধর্ম্ম পুম্নমকনা শোক্তপা ঙমদ্রবা আরবকী থম্মাইদা অমতা ওইবা ঈশ্বরগী থাজবা পোকহনবা অসি মহম্মদ নত্তনা কনানা ঙমখিবগে? মাহকী অথোইবা ধর্ম্মগী খুদমনা আবব পুম্নমক অপংবনা মম্বদগী কোক্নুনা, অমগা অমগা লান্থীনবা তোক্নুনা অমসুং লাকঙমদ্রবা আরব পুম্নমকপু অমতা ওইবগী লাইরানা ফাজিনবিহনা পৃথিবীদা অবনবা জাৎ অমা ওইহনখি।

বাচং

১। আরব লৈবাক হাঙ্গবা করম্বা লমদানি হাঙ্গনা নিংবেগে?

২। হজরত মহম্মদ হাঙ্গবা অসি কনানো?



অশাউবা।

কৃষ্ণগী বাহৈ তাবদা
যুধিষ্ঠিরনা খুমলকই।
অশাউবগা মান্নবা পাপ
তেংবানবদা লৈতরে।
শাউরবা মতম অদুদা
থকসি খাসি খংঙক্তে।
শাউরবা চিনবানখোংদসু
হাঙনি হাঙরোই নাইরক্তে।
অতৈগী বাদি থম্মখো
মশানা য়েক্নব ওইজরে।

অশাউবগী মরমদা
মীনা মশা হাংটরি।
মরম অসিমক্তুনা
অশিংবনা শাউনত্রি।
শাউবনা বাবা পোকপনি,
শাউবনা শাগৈ মাংবনি।
অসুম্বা অশাউবা অসিবু
ওমজরবা মীশিংনা,
ইরাঙলাঙনা লানবনি
মরোন নিমক অসিবু।
(মহাভারত)

বাহৎ।

১। বারেং অসিগী মরু ওইবা বা নশাগী লোন্দা ইরকউ।

হাজি মহম্মদ মহসিন।

(মীগী মতেংপাংবা)

লন অমসুং মীগী পুনশি হাঙবা অসি থমনাদা পকপা ঈশিংগুম্বনি। মরম অসিমক্তুনা অশিংবা মী পুন্নমক্না অরেপ্পা লৈত্রবা লনগী মহুত্তা তাইবংপানবদা অমাংঅতা লৈত্রবা মিংচং ফংনবগীদমক মশাগী লন অমসুং থবাইমকপু থাদোক্তুনা মীগী কান্নবা তৌই। ঐগী কান্নবা নিংবা লৈত্তবা দান অদুনা অথোইবনি। পুমনমকনা মাগী মমিং তাদবা লৈত্রবা হাজি মহম্মদনা ঐথোইদা দান তৌবগী অথোইবা খুদম পুমনমক উৎপিরমলে।

মতম অমদা হুগলি হাঙবা সহর অসি য়াম্না চাউবা সহর অমা ওইরম্মী, লল্লোন ইতিক্লবগীদমক মতম অদুদা মাইকৈ মরিমক্তগী মী লাক্তুনা হুগলিদা লৈরম্মী। অসিগুম্বা মতম অসিদা আগা ফয়জুল্লা কৌবা লল্লোনবা মুপা অমা পারস্য লৈবাক্তগী লাকতুনা হুগলিদা তারম্মী। হাজি ফয়জুল্লা হাঙবা অসি মাহাকী মচানি। মাহাকনা হুগলি অমসুং মুরশিদাবাদ মফম অনিমক তুন

লল্লোলম্মী। তৌইগুম্বস্নুং লাইনোংঙমনা মাহাক নংথল্লকলে; মতুংদা মাহাকনা মুর্শিদাবাদকী দোকান থাদোক্তুনা হুগলিদা লৈখি। মতম অদুদা হুগলিদা মতাহর কৌবা নিংথৌরেন আউরঙ্গজেবককী অচানবা মনাই অমম্ন্ সরকারগী লৌচা য়াম্না ফংতুনা লৈরম্মী। মতাহরনা শিরবদা মাগী মচানুপী মন্নুজাম্না মপাগী লনথুম পুন্নমক ফংহৌই। মতাহরগী মতুনা মরাগী মরনমথুম অমতা ফংহৌরে। মাহাকনা মতম অদুদা ভৌনিংঙাই লৈরতুনা ফয়জুল্লাদা লৈবা তাখি। হাজি মহম্মদ মহসিন অসি মাহাকী গর্ভদা খৃস্টাব্দ ১৭৩২ শুবদা পোকই।

পোকমিন্নদবা ওইরবস্নু, মচেনা মপাল নাইত্রবা ললগী মপু অদুগা মপুরানা লাইরবা ওইতুনস্নু, মচিনমপুরা অনি অদু য়াম্না চান্নরম্মী। মথোই অনিমক শিবাজী কৌবা ওজা অমদা মহৈ তম্মিন্নে। অঙাংদি নিংথাদা খংঙি হাঙ্গতুনা মহসিন্না মহৈতম্বদা য়াম্না পুক্নিং চংলম্মী। ওজাগী মচিন্দগী লৈবাক লৈবাকী ৱা তাবা অদুদা মাহাকী মপুকনিংদা লৈবাক কোঙ্গগে হাঙ্গনা নিংখিরম্মী, অমস্নুং আরব পারস্যনচিংবা লৈবাক কোঙ্গতুনা অয়াম্বা লোন্নচিংবা হৈখি। শেন্তবু লৈরবদি য়েক্লবা য়াম্মি। যেক্লবশিংনা মন্নুজানবু হাংকে হোৎনবগী মশীং নাইখিদে তৌইগুম্বস্নুং শিংলবা মহসিনগী লৌশিং পাম্বৈনা মাথোইনা হোৎনবা পুন্নমক মহৈ য়ানবা ঙমখিদে। মাসিদগী মাহাক্না যুম্বানবগী হিরম পুন্নমক থাদোক্কে নিংখি কোরান পাম্বা, ধর্মগী মরমদা নৈনবা, মীগী কান্নবা তৌবনা মাহাকী পূনশিংগী ৱাশক ওইখিরম্মী।

মতুংদা সালাউদ্দিন কৌবা মুপা অমনা মন্নজান লৌই। তৌইগুম্বস্নুং লুহোংবগী মতুং কযা কুইদনা সালাউদ্দিন শিরে। অসোমদা মন্নজানস্নু অহল ওইশিন্নকলে। খৃস্টাব্দ ১৮০৩ শুবদা মাহাকনা শিরবদা মহসিন্না মাগী লন পুমনমকী মপু ওইখি।

তৌইগুম্বস্নুং সংসারগী হিরম পুন্নমক অপাম্বা লৈত্রবা মহসিন্না শেন ফংতুনা করি থোইনা পামহৌনরুফম লৈবগে? মাহাকনা নিংখি, শেনথুম অদু মাহাকী শেং-চানবা নত্তে; মীগী কান্নবদা তিংনবগীদমকনি। মাহাকনা লুপা লাখ ৩ মীগী কান্নবগীদমক্তা দান তৌখিরম্মী।

হুগলি কলেজ হাঙ্গবা অসি মাহাকী শেন্না লিংখৎপনি। মাহাকী শেন্না হুগলিগী মমিং চৎলবা ইমামবাড়ী শাবা লোইনৈ। মতম অদুগী অনংবা মুসলমান ছাত্রশিংগী তম্বদা খুদোংচানবগী-দমক অয়াম্বা স্কুলদা অমস্নুং মাদ্রাসাদা বৃত্তিগী থৌরাং তৌবি। মফম মফম খুদিংদা অনালায়েংশং লিংখৎখি। শমনা হাঙ্গরবদা মতম অদুদা তৌখিবা থবক অমতস্নু মাহাকনা মতেং পাংখিদবা যাওদে। মুমিৎ খুদিংগীমক মতম অদুগী লাইরবা অনংবশিংনা মাহাকী পীনবা দান ফংজতুনা পেম্নখি। অস্নুমনা পীনহৈবগী অঙকপা খুদম পুন্নমক থম্বিরমলগা মহসিন্না খৃষ্টাব্দ ১৮১২ শুবদা শিখি।

‘য়াদনা ‘সুংঙাইবা লৈত্ৰা ।

হে লংথৈচংপা করিগী হন্নিবা
লমী শাংবা উহ্ননা ।
লৈথোম কিরপদি তিংথং থৌরবদি
করমনা থন্বাল হেকনি ।
লাইরবা মুপা মাইথোংঅকলিবা
করিগী তেংথানল্লিবা ।
চেকশিল্লা চেকথুম শাই কাংলোকলা ‘কয়া ‘শাই
য়াদনা সুংঙাইবা লৈত্ৰা ?]

বাহং

১। য়ারোং অলিখী পাউতাক করিনো ?
২। মাসি পদ্য তৌথোকউ ।
৩। মথাদা ইরিবা য়াহৈ অসি হায়েনা য়াহৈ পায়ং লৌউ।
পুকনিংথুংথুং, থৌকা, অহোইনত্তম, মরী ককপা, লাঙ্কলা ॥

— ——

লমচং ।

লমচং হাঙ্গিবা অসি মীওইবগী মমল্লাইরবা লৈতেংনি । মংগী নিংথিজরবা ফিজেং নত্রগা মমল মানলবা লৈতেংনা নংগী ইকাইখুমনবা কদাইমথৈ চাওথংলবগে হাঙ্গিবা অহু মংমু থহুনা য়েংলবদি থংবা ঙমগনি । অওইবমক মীগী ভক্তি অমসুং ইকাইখুমনবা চাওথংহনবদি নংগী ফজবা লৈতেং নত্রগা পুকনিংহুনবগী মশক ওইবা ফিজেংচাকচানা নত্তে— মরুবু, মীওইবগী ফজবা লমচংনি । আতোনবা অমসুং লাইরবা মীসু মাহাক্কী ফজবা লমচঙনা মী কয়াগী ভক্তি তৌনকম অমসুং ইকাইখুমনফম ওইবা ঙমবগে হাঙ্গিবা ঐথোইনা তত্তনা উরি । মচং ফত্তবা মীনা মরম লৈহনং মফম অয়াম্বদা লৈবাক্কী, মাগী লৈকোকলৈকাইগী, মাগী শাগৈনাতৈগী, করি অমুক হাঙ্গনি ঋত অয়াম্বদা মশাগী য়েনা কাম্নরবা ঙম্মদে ।

অমুক, ফজবা লমচৎ হাঙ্গৈবা অসি মীওইবশিংগী ফংঙমদ্রবা লনগী মশক্নি। মাসিমু ফংখ্রবদা মী অমুনা অমুক লেমনা মাংবা লৈদ্রে। ফজবা লমচৎকী মশক ওইরবা লন অসি ফংঙ্রবা মীতনা তেংবানবদা চাওখৎপা ঙম্মি, অসিগুম্বা মীতনা তাইবংপানবদা হিংলিঙৈদা ইকাইখুম্নবা খুঙম অমুগা শিরগন্নু মক্ত্রবা মিংচৎ থনম্বা ঙমহুনা মীওইনা পোকপগী মহৈ য়ান্নে। ঐখোইনা হাঙ্গৈ, সনা মোহর লখা অমা থনম্বদি লমচৎ ফজবা মচা অমত্তং থনম্বনা মাগী শাগেগী কান্নবা ওইরে। করিনা, মপানা থরা থনম্বহুনা চাওখৎমবা হোৎনবা মরমনা মচৎফজবা মচানা মপা মপুগী অরান খুঙম ফংনবা লম্বীগী লময়ান্নবা ঙমহুনা অমম্তুং লন অমুনা মথংমথং চাওখৎনবা শীন্দুনা মশাগী, মাগী শাগেনাতৈগী, নত্রগা মরৈবাক্কী চাওখৎনবা হোৎনহুনা মাহাক পোকপগী কান্নফম থাহনবা ঙম্নৈ। অমরোমদা, মচৎ ফজরবা মচা অমুনা মপানা বানা তান্নমলবা লন অপুম্বা অরেম্বদা মাংহন্দুনা পুনশি অনিমক অমুবু অরেম্বা তাহল্লি।

শাগেগী ইকাইখুমনবা, লনগী মর্য্যাদা অমস্তুং মহৈগী তাংলবা ভক্তিনচিংবা অমুম্বা ফজবা লমচৎনা অমুক্তদা লিকলি থুগাঙ্গৈবগুম পুম্নাং মাংহল্লি। শাগে অচৌবদা পোক্লনা লমচৎপু ফজএবদি কনানা মাবু ইকাইখুমননিংবগে? মচৎফজবা মীনা মহৈহৈবদি কনাগীসু কান্নরুম ওইদে। মাহাকনা মাহাক্কী তাংলবা মহৈ অমুবু কজবতদা শীজিন্নহুনা লৈবাক্কী, জাৎকী অমস্তুং মাহাক্কী বংশগী মাংনবগী মশক্তা ওইরে। মচৎফজবা মীবু মীনা মহুপানবা লিনগী মতৌগুম কিনৈ। মরমদি মাহাকনা মীগী মাংনবা নত্তনা ফনবা তৌবা মহৌশানা থংদে। মাহাক্কী পুকনিং অমুদা মতম পুন্নমক্তা নরক্কী অমম্বা মমি অমা তান্নুনা লৈ। মাহাকনা হিংহনা পানবা অসি মাহাক্কী অমস্তুং অতাপ্পগী বাননবা অমুগ শিরগন্নু নরক্কী তীল ওইননবগী মশক্তা ওইনৈ। মরম অসিনা মী পুন্নমক নহা ওইরিঙৈদগী মরমচৎ ফজননবা লাকনবা হৌনৈ।— করিনা, নহা ওইরিঙৈদগী হোৎনহৌদহুনা ফজবা লমচৎকী হৌনবী ওইবা পোৎ অমুনা অঙাংগী থমোইগী লাইয়ুমদা অমুক্তং কাওখ্রবদা মাহু হাৎনবা লাকনবা ফনা লুই।

তম্বা অমস্তুং নৈনবনা মীওইবগী লমচৎ শেমনৈ। মরম অসিনা মমামপা ওইবনা মচাগী অহানবা তৌবিগদবা থবক্তি— মচাগী লমচৎফনবা হোৎনবা অসিতনি। অঙাংগী পুকনিং হাঙ্গৈবা অসি অন্নবা মিংশেনগুম্বনি; মাগী মমাংদা থম্বা অমুদা হেক্তা মমি তাই। মরম অমুনা মতম পুন্নমক্তা অঙাংগী মমাংদা অফবা লমচৎকী থুদমদা উংনবা লাকনবনা অচুম্বনি হাঙ্গৈবা অসিদি হাঙ্গৈহনবু অরেম্বনি। তিম্নবা মরূপ হাঙ্গৈবা অসি অঙাংগী লমচৎ শেনগৎনবগী মরুওইবা থুংলাই ওমনি। ফজবা অঙাং কয়া অফবা সঙ্গ তিম্নবদগী ফখিবা অমুগা অফবা অঙাং কয়াসু ফজবা সঙ্গদগী মাংখিবা উই। মরম অমুনা তিম্নবা সঙ্গগী মরমদা মিংয়েংচংবা অসি অঙাংশিংগী অমস্তুং মমামপা ওইবগী তৌগদবা অমনি।

ৱাহং।

১। লমচং ফজবনা করি কান্নবগে?

২। কজবা সজনা লমচং ফজনবগী মরীদা করি কান্নবগে?

৩। মখাদা ইরিবা ৱাহৈশিং অসি হাপ্লুনা ৱাহৈপরেং অমমম লেংউ।

মমম্নাইরবা, ফংঙমরবা, পলেম, চিংঙু, মশাবি, মালেম, লৈরাং, লোইবী, নাপোম, খোইরা, কান্নী।

৪। মখাদা ইরিবা অহাংবা মফম অসি মতাচাবা ৱাহৈ হাপ্লুনা ফুঙ্গিন্নু।

রামনা — হাঙৈবা বনগী — উহুনা — য়ামনা পেনখি। মমাগী — থকলিবা শজি — — খুহুংইন্দুনা — ফিরান শাহুনা — — জগোই শারম্মী। — কোকিলশিংনা — 'থক্কা তোংহনা — খোংদা তাহুনা — — শুম্মংলি।

৫। মখাদা ইরিবশিং অসিগা চানবা করি পাউবো লৈবগে?

(ক) শিবগী অরেপ্পা মতম লৈরে। (খ) নমানপানা নংবু ফুবদি নংগী ফননবগীদমক্তনি। (গ) মুংঙাইগে হঙৈরবদি কম্না নোম্মু; (ঘ) অরেম্বা থবক তৌহুনা মতম মাংহনগন্নু। (ঙ) হন্না হন্না হোৎনরগা থবক পাংবনি।

৬। মখাগী ইরিবশিং অসিগী খেননবা তাকউ।

হাঙৈরকউ, হাঙৈকঈ, হাঙৈরকখিগে, হাঙৈরম্মঈ, হাঙৈরমখিগে, হাঙৈক্লখিগে, হাঙৈরে।

লোইরবা।

কোঙথুবা লাইরিক

ফিদম।

শ্রীখ্বাইরাকপম চাওবা সিংহনা লেখবা।

First Edition.

Printed at the State Printing Press,
Imphal.

1926

মমল লুপা ১৲ অমত্তনি।

খ্বাহৌদোক।

লাইরিক মচা অসি লৈবাক মমাংদা পুথোকচবদা (পুকনিংদা য়াম্বনা অকিবগা লোইননা) লেংজরিবগী হাঙৈজনিংবা থরদং লৈজে।— লাইরিক অসিনা অসুম্না কান্নরগনি হাঙৈবদি উথিদবা মরমনা ঐগী ইশাগী নৈনজবগী মওং ওইনা ইখিবা খ্বাম্নবা নমদা য়াওরে। অতুগা থংলবা মতুংদসু ইশা থরা নাকবনা শেংদোকপা ওমজখিদ্রে। লাইরিক অসি লৈবাককী অহে অশিং পুন্নমকনা পাবিরে— দোষগুণ থোইদোকপা লৈরমলবসু ঐগীদি করিসু দাযী লৈজদ্রে অমসুং ষ্টেটতা কপিরাইট ফাওবা য়েনখ্রবা মরমনা ঐগী করি অমুক তৌনিংঙাই লৈদ্রেদি হাঙৈববু কনা অমনা অরান অখোঙৈ তাকপিরকলবসু ঐনা লমাই ওইনা মতুংগী ফোংদোকপা অমদা (করিগুম্বা ফোংদোকপা তারবদি) মাসিগী থবক পুরিবা অওম্বদা থুরুমজহনা শেংদোকনবা লাকনজগনি।

১। মাসি খোমজিনবদা বিশ্ববিদ্যালয়গী অনৌবা কারিকোলম মতুং ইন্না হৌনবী পুন্নমক ওম্বমখৈ ঙাকচবি।

২। হিবম অমতগী মরমদা ইবা লাইরিকপুদি হিবম পুন্নমক শুনা য়াওবা লাইবিকনা ঐখোইগী অঙাংশিংগীদি হেন্না কান্নফম থোকই হাঙৈনা নিংজৈ। মরমদি চাউখৎলবা লোন অতৈ অতৈগুমনা তোঙান তোঙানবা হিবমদা ইবা মৈতৈ লাইরিক কয়া থোবক্রে।

৩। মৈতৈগী লৈবম্বা ঙাক্তা তম্বনসু মতম্গী মতিকচাবা লৌশিং পোকপা ঙম্মোইগবরা হাঙৈনা খঙ্গহনা মৈতৈগী মমাংঙৈগী লৈবম্বা হিবম ফোংদোকনবা লাকনবগুমনা মীবৈবাকবী হিরমগী খ্বাসু মফম চানা হাপচিঞ্জরি।

৪। লোনগী মরমদা— মরাইনা চংজরকপা সংস্কৃত থবদি থংনরবা মৈতৈলোননি হাঙৈনা খঙ্গহনা থাদোকনবা তৌজদ্রে।

লাইবিক অসি লেংবদা বঙ্গদেশগী মনিং চৎলবা কবি ৺কালী প্রসন্ন ঘোষগী প্রভাতচিন্তা, নিশীথচিন্তা, নিভৃতচিন্তা, ৺রামেন্দ্র সুন্দর ত্রিবেদীগী প্রকৃতি, কর্ম্মকথা জিজ্ঞাসা, বঙ্কিম বাবুগী বিজ্ঞান রহস্য লোকচবিত, শ্রীযুক্ত রবীন্দ্রনাথ বাবুগী স্বদেশ, টেনিশন, মেকলেগী ইংলণ্ডগী ইতিহাসনচিংবগী খ্বাখল অয়াম্বা পুজরি অতুনা মতিক চাওরবা কবিশিং অসিদা পুকনিং শেংনা তৌবিমল থংবা উচ্চবি। হৌজিক মাসিনা ঐনা তমজরিবা অঙাংশিংগী থরদং কান্নরবদি নোঙ্গা মহে য়াল্লে হাঙৈহনা হরাওজগনি।

ইতি।

ইম্ফাল।

২০।৭।২৫ ইং।

শ্রীখাইরাকপম চাউবা সিংহ।

খিদম ।

মীওইবা ।

তেংবানবদা জীব পুন্নমকনা চপ মান্ননা পাম্বা অসি কদাইবু হাঙৈগনি ?— "মশাগী মুংঙাইবা" । জীবশিংগী অতোপ্পা "ধর্ম্ম" অমা লৈবসু খংদে, তৌইগুম্বসুং মশাগী মুংঙাইনবা হোৎনবা অসিদি জীব অপুম্বগী মহৌশানা থাদোকপা য়াত্রবা ধর্ম্মনি । মরমদি অয়াম্বা খৌরাংবনা হিংহুনা পাননবগী থৌঈনশিন ওইরিবা, অইং অশাবনা মহৌশানা মখোইগী য়েকনবা ওইরিবা জীবশিংনা মশাগী মুংঙাইনবা হান্না খন্দনা তৌফম লৈতে । মীওইবা হাঙৈবা অসিসু জীব অমনি ; অদুনা মশা মুংঙাইনবা হোৎনবা, মশাগী ওইজবা থিবা হাঙৈবা অসি মীওইবগীসু ধর্ম্ম অমনি । অসি ফাওবা মীওইবগা তোলবা জীবশিংগা থৈন্নে ।

তৌইগুম্বসুং জীবনিদি হাঙৈরগা মীওইবা হাঙৈবা অসিদি বাখল লৈবা জীবনি । অতৈ অতৈনা মহৌশাগী হৌনবী অমগী মতুংইন্না মাগী মাগী থবক তৌই । মখোইনা মাহু তৌদবা ঙমদে । মাহুগী অফফত্তা হৌনবা হৌনদবা মখোইনা অমুক খল্লুবা তৌদে । মহৌশানা ষণগী মথোং মরি, মচী অনি পাল্লি, কৈগী মন্না থৌট, অদুগুমদুনা ষণনা হাজং চাই ; কৈনা শা চাই । ষণনা ঙা চাবা ফত্তে শক্তিক চাও হাঙৈবা অসি মখোইনা, লাইরিক অমদগী ফংলুবা নত্তে ; অদুগা শক্তিক চাবগী অফফত্তা অসি কৈ মচা অমত্তনসু মাইবদা হংবা লৈতে । মাখোইগী মরক্তা কনা অমতনসু হৌজিক ফাওবা অসিদা মাসি মুখংনবা নম্রগা শেংদোকনবা হোৎনবা তৌব্রি । মাসিদা মাখোইগী মনিংমখা তম্বা লৈতে, মখোইনা তৌদবা ঙমদে, তৌদবা মাই হাঙৈবসু মাখোইনা খল্লুরা তৌদে । মহৌশাগী মতুং ইন্না ষণনা শক্তিক চাই শগুপ শাই, কৈনা নিরামিষ চাবা হৈতে ; বসন্তগী লৈ মনম হেক ফংবগা হুম্বিংখোঈশিংনা হৈরাং লৈরাং থুংনা পাঙৈদবা ঙমদে । মখোইনা করিগীমক পায়রিবনা হাঙৈবা অদু খংবা লৈতে, খল্লুবসু তৌদে । তৌইগুম্বসুং মীওইবসু জীবনিদি হাঙৈরগা মখোইদি বাখল লৈবা জীবনি । মখোইসু জীব অতৈগী মতৌগুমনা মহৌশাগী মতুং ইন্না থবক তৌই, তৌইগুম্বসুং মখোইদি থবক অদুগী মহৈ মমিৎমা উবা ফংভিং ; খোকত্রিভৈদসু থবক অদুগী পোয়ম মহৈমচিংবা পাহুনা খঙ্গা ঙমই, অমসুং বাখল তৌদুনা মহৌশাগী থৌঈনশিন অদুবু মমাই লৈহনবা ঙমই । অদুনা জীব অতৈগী লম্বীদি

অমতনি ; মীওইবগীদি ময়ামনি। রাখল, পোখি অমসুং উরু তাক্লদুনা খোকপা লৌশিংনা পুকনিংবু লাকশিন্দুনা মহাক্কী খুদোং চাগদৌবা লম্বেল থিবা ওমই। মসি মহৌশাগী পান্থে য়াওজবা মীওইবনা তৌবা তাররবা থবকনি।

অহুগা খেন্নবা অমদি মীওইবা হাঙ্গবা অসি শোল্লবা জীবনি। মহাক্কীদি অথৌবা ময়া পান্দে, অয়াংবা মখোং লৈতে মীওইবগী দুন্তোংশুনু মতিক চাবা পাঙ্গল লৈতে। লৌশিংতনা ছিংদুনা পানবগী লানকম অসিদা, মহাক্কী পান্থেনি। তৌইগুম্বসুং মাহুতনদি মকম পুন্নমক্তা য়ারকতে। মরম অহুনা মীওইবনা তিন্ননা লৈতবা য়াদে করিনা হাঙ্গববু অমনা ওমদবা অহু ময়াম তিন্নরগা ওমই। মাসিদগী মীওইবগী জাৎ খোকখি। কনা কনাগুম্বা জীবগী মরক্তা মাসি উবসু লৈ ; তৌইগুম্বসুং মখোইদা হুনখিবা ময়োল অদু মীওইবদদি মহে মরোং ওইনা য়াল্লে অদুগা লৌশিংগী মথক্তা মখোইনা অমগী লৌশিং অমদা পীদুনা জাৎ অমমমবু চেৎনা পুনব য়ানবা মখোইগী লৌশিংগী রাখল ফোংদোকনবা অশম্বা খুদম কয়াসু শেম্মি। মাদুবু ঐখোইন ঐখোইনা লোন কৌই। অদুনা অমমমতা ওইরিঙৈদা শোল্লম্বা মী অসি তিন্নরগা অকন জীব অমা তাই। অদুনা খংলে জীবনিদি হাঙ্গবগা মীওইবা হাঙ্গবা অসি কাংলুপ নাই জীবনি। মহাক্কী জীব ওইবদি মমাংদগীনি তৌইগুম্বসুং মাসিদগী মী ওইবা হৌই।

অহুগা অরাবদি— মাসিদগী মীওইবগী অবা অনা অপুম্বা পোকই। ইংরেজীগী বাইবেলদা হাঙ্গবা অমা লৈ, মীওইবগী মপা মপুনা লৌশিং পাম্বীগী মহে চাকহুনা পৃথিবীদা অশি-অনাবা হাঙ্গবা অসি পুরকই, মাসি জাৎকী ধর্ম্ম লাইরিক্তা শোঙ্গনবা লৈরবসু অমরোমদা অচুম্বসু লৈ। জীব অতৈ অতৈনা তৌরিবা অযাম্বা থবক্তা মখোইগী মনিংমথা তম্বা লৈতে ; অরাম্বগী অরাবা হেক ফংবদা কৈনা শক্তিগী মথক্তা চোংশিল্লি। মাসি মহাকনা তৌদবা ওমদে ; তৌত্রবসু মাগী খোইদোকপা মগুণ লৈতে। হিতোপদেশদা কৈ অমনা সংসারগী অরাৎ অপাবমক্তনা তৌনিংঙাই লৈতহুনা শা, ঙা চাবা তোক্লুনা তাইবং মীদা সনাগী খুজি দান তৌখি। তৌইগুম্বসুং কৈগী ধর্ম্ম লাইরিক্তা নিরামিষ চাবগী অমদি দান তৌবগী কান্নবগী মরমদা খোইদোকপা নৈন্নরমগনি হাঙ্গনা নিংদে। ঈশপকী ৱারীদা লমহুইবু নমথাক তৌবগীদমক য়াম্না তাখী ৱা হাঙ্গনৈ। তৌইগুম্বসুং চিত্রগুপ্তগী পাপ পুণ্যগী লাইরিক্তা লমহুইগী থবক অসি চল্লমগনি হাঙ্গবা নিংদে। মরমদি মাসি তৌবদা মখোইগী মনিংমথা তম্বা লৈতে, মহৌশাগী থৌঙ্গনশিন মতুং ইন্না তৌই অওইবমক মীওইবা নত্তনা জীব অতৈগীদি ধর্ম্ম অধর্ম্ম পাপ পুণ্য লৈফম খোক্তে।

মমাংঙৈদা হাঙ্গব্রে— মীওইবা হাঙ্গবা অসিসু জীব অমনি। জীবগী হৌনবী মতুং ইন মশাগী চুংঙাইনবা থিনবগীদমক্তা সংসারগী অকনবা লানফম অসি খেংনহুনা লৈরিবনি। তৌইগুম্ব

থংশিনবা লৈত্রবা অকনবা লানফম অসিদা মীওইবগীদি করি অমুক লৈরি—অতোপ্পগী ফনবা হোৎনবা। অঙাওবগী রানি, মশাগী মুঙাইনবগীদমক্তা জীবনা মাহাক্কী মাহাক্কী লম্বিদা চেন্নরি। মীগী ফনবা হোৎনবিরনবা কদাইদা অহাংবা ফংগনি। পুনশিংগী লানফম অসিদা মশামক য়োনা কঞ্জবা ঙমক্রিবা অসিদা মীগী মথৱাই করমনা কনথিরুগনি? অওইবমক মীওইবগুম্না রাৰা জীব অমা লৈত্রে। মহাক্কী মখোং অনি হি অনিদা থাহুনা লৈরি। জীবগী হৌনবী, মতুংইন্না পারোন-পুরান্দগী মীওইবনা অতৈগী খনবিরুবা ছোক্তুনা মশাগী মুঙাইনবা থিদবা য়াদে। মাসি মীওইবগীসু লু-তোংদা পকপ্রবা অকনবা পুকচেননি, মাসি মীনা থাদোকপা ঙম্বা পোৎ নত্তে। অহুগা পোক্তুনা জাৎ অমদা তিন্নরবদা মশাগী কান্নগদবা কোন্নাই অমা থাদোকুনা জাৎ অহুগী ফনবসু হোৎনদবা য়াদে। নত্রবদি মাহু লৈবা য়াদে, লৈত্রবসু অশোনবা মীওইবনা লানফম অসিদা হিংফম লৈতে। অদনা মাশাগী মুঙাইবা থাদোকপা তাই, অদগা অমুক মাদদি জীবগী হৌনবীদদি কাঈরি, মশাগী মুঙাউনবা হোৎনবা হেক তোকপদা জীব ওইবা য়াদে। অহুনা মাহু য়াবমখৈ থামজিনগদবনি। নিংথৌনা রায়েল্লি, নশাগী কান্নবা ঙাক্তা য়েংগমু নত্রবদি লীচৈ, কৈশুমশং, ফাঁসি; পুবিৎনা হাঈরি নশাগী ওইজবতা থিফদে নত্রবদি কুম্ভীপাক-অসিনচিংবা।

পৃথিবীগী মমাংগী রারীদদি ফংই, মীওইবসু মতম অমদা জীবগী হৌনবী মতুংইন্না মশাগী মুংঙাইনবতা থিবা হোৎনরমঈ। মতম অহুদদি ঐখোইগী ইপা ইপুশিং অহু মীওইরমত্রি হাঈরবসু লান্দে। মতম অহুগী ইতিহাসদি পৃথিবীগী ইতিহাসনি তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি মাহুদা মীওইবগী পন্দুপ য়াওদবা য়াদ্রে। জীবগী অকনবা নিয়মনা বরিগুম্বা ঈশাগীতা কান্নগদবা থবক অমা হেক তৌগে হাঈহুনা তৌরকপদা হৌজিক্তি থমোইগী য়ামনা থুপপ্রবা মফমদগী মীওইবগী ধর্মগী রাখন্না লুম্নবা খোঞ্জেননা লাওরকই। মাহু তারবদা মীওইবনা গুঙ্কৎতবা ঙমদে, মাহুবু ভক্তিগা লোইননা য়াদবা ঙমদে। দিলীপ নিংথৌনা বশিষ্ঠগী যজ্ঞগী বম্বী কনগে হাঈবগীদমক মথৱাই থাগে তৌরবদা মায়াসিংহুনা হাঈখী মহারাজ বম্বী অমতগীদমক থৱাইথাবদি মতিক ওইদে; মহারাজনা হিংহুনা লৈরবদি প্রজাশিং নত্রগা অসিগুম্বা বম্বী কয়াগীসু কান্নবা য়াই। হৌজিকখী মতম অসিগী কান্নবা রাখলগী মতুং ইন্নবদি দিলীপ নিংথৌনা তৌখিবা থবক অহু রাখল লৈতবগী থবকনি হাঈনা নিংবসু লানদে, মহাক্না খুমখি "ঐদি ক্ষেত্রিনি; অৱাবদা তারবা জীববু কনবিবা হাঈবা অসি ঐগী ধর্মনি, অমহিকসু হৌজিক্তি ঐদি মীখা পোনহুনা লৈরিবনি; থৱাই থারবসু ঐদি মপুগী য়াথং ঙাক্তবা যাদে।" ঐখোইনা অতৈমক খংত্রবসু নিংথৌ দিলীপ হাঈবসি ফিদম লৌনফম লৈবা মীনি হাঈনা নিংই। মরমদি মহাক্না মীওইবগী হৌনবী ঙাকনবগীদমক্তা মশাগী অহুদগী হেন্দোক্তুনা জাংকী কান্নবা য়োনা থাদোকপা ঙমখী। অহুদি হৌজিক্তি মীওইবা হাঈবসি করিনো হাঈবদ, অমুক নৌহৌনা তাক্লখিগদ্রা?

ভাগ্যচন্দ্ৰ ।

ভাগ্যচন্দ্ৰ মহারাজনা মৈতৈগী লৈবাক পোকপা অসি মিংকমগী অওইবা থিকমবস্তু মশাগী অফবা, মশাগী মান্নবা খংনবা নত্তনা মৈতৈ ঐখোইগী কুইনা তৌজৰকলবা অফবা থবক পুন্নমক্কী মহৈগী মশক ওইনা খাম্বল চাওবা মৈতৈ পুন্নমক্কী অফবা লাইবক্তা নাইতোম থোকপা থাগুমনি। ঐখোইনা ঙসি ভাগ্যচন্দ্ৰবু মৈতৈগী মহৌশাগী ওইবা পুকচেলনা নিংথৌগী মতিক চাবা সিংহাসন থাম্মুনা ঈরাংপা ওমলবস্তু মাতুদগী হেন্না ফবদি মহাকনা মৈতৈলৈবাকপু অমসুং মৈতৈ লৈবাকপু পুকচেল অখোঙবা লৈতনা সুংশিবিবা, মমিং পাঙওমদবা মৈতৈবু মমিং পাংহন্দুনা তেংবানবগী ওাম্লবা অদুগা ঈংলবা মঙাল উহনবিবা নত্রগা মশাগী ওইজবা থাদোকপা ঙম্বনচিংবা শাগী লমচং থাদোক্লুনা অহানবা মীওইনবগী লম্বীদা লমজিংবিবগীদমক মৈতৈনা অতেংমক ওমদ্রবস্তু মাহাক্কী তানওমদ্রবা ফিদম থরগীদমক থম্মোঈগী "আসন" শন্দোক্লুনা ঈরাংপা পাম্মি। মাসি তৌদুনা ঐখোইগী থাগৎনফম য়ামদ্রবস্তু ককথৎপা ওমদ্রবা, থাম্বা য়াদ্রবা মহৌশাগী সুংশিবগী থৌইনশিম্না মেরাথাগী লংলবা অদুমনদি ওইরগা মেংলবা থাবনগুম্না মৈতৈগী নিংশিংফমগী "অমরাবতীবু" ঙাসহন্দবা লৈতে। অদুনা ঐখোইনা নিজদনা ফংলবা মীওইবগী অফনা ফিদম থরগীদমক ঙসি ঙস্তিগী চন্দোন থিকপা লৈরাং অমা অনিদং কৎপস্তু লানফম লৈতে।

অৱাবদি ভাগ্যচন্দ্ৰ হাঈবসি মৈতৈ লৈবাকী মতম অদুগী থৱাম্নিচাক থোক্লবা অতিঙাদা নাইতোম থোকপা থাগুমনা মঙাল মরিক অমসুং অনিদং তেংবাংবিনবা লৈরমদে। থাইনগী দোম্ব ওইহন্দদুনা ঐখোইগী ফিদম ওইহনবনা চুমই। হৌজিকস্তু কুইদনা মঙানি তরানিগী মরকতা ঐখোইনা অফবনি হাঈদুনা তৌকরবস্তু তেংবাংবিনবা ফংদে, পুকচেল শিংনা সুংশিকরবস্তু কনানম সুংশিবগী লমন খুম্বিরকতে, থাজরুরবস্ত কনা অমতদগী থাজবগী খুদোল ফংবা ওমদে। অৱাবগী থোঙ্গাল লিংশিনবা হেক উরগা তিম্নবা থাদোক্লুনা মাঈ ওনবা অসি ঐখোইগী লূ-তোংদা পকথ্রবা রাখলগুমনি। লৈবাকপু সুংশিবা, লৈপাকপু চাউজহম্নিংবগী অতিংবা পুকচেলনা মতমগী খুদোংচাদবা পুন্নমকপু খংনা খংনা কাউথোকহনদুনা মাগী লৈবাকী থাগৎপা য়াকাইরোল শকলবদি অতৈনা ভাগ্যচন্দ্ৰমককী মতৌগুমনা সুংশিবা থোংলোননা মরৈবাকমক থাদোকপা ওমদ্রবস্তু অওয়া মীগী তেংবাংবা অমুক্তনদি মতিক চাদে। ঐখোইনা মহৌশানা সুংশিবা হৈ; সুংশিদুনা মিংতগী পি শিম্বা ওমই। তৌইগুম্বসুং তাংলবা মিংকী পিগী মগুণ ঙাকপা ওমদ্রবদি, অদুগা সুংশিরুবগা সুংশিরিবা, অদুনা ঐখোইদগী কাম্নবা ফংদ্রবদি মাদু মাদুনা করি কাম্নফম লৈ হাঈবা য়াবগে? মাদুগী মরম ঈচং থৌবা রাংপনি হাঈগে হায়ু— ঐখোইদা লৈতবদু ভাগ্যচন্দ্ৰ মহারাজদা লৈ হাঈবদু খংনফম প্ৰমাণগী অৱাংপা লৈতে ঐখোইনা মহৌশানা হৌগৎলি— লোইবা হৈতে রাশকই ঙাকপা ওমদে; পুকনিংনা নিংই— পাংনবা লম্বী থিদে; হোৎনৈ— তুং কোইবা ওমদে।

অদ্দনা ঐখোইগী অরাংপা উজদনা নত্রগা অরাংপা অদু কনাগুম্বদা লৈবা উদনা মাগী কান্নবা খংগে হাঙ্গৈরবস্থ অমুক্তং নত্রগা হননা হুননা মাঙ্গৈথীদনা চেন্নবা তেথাও নিংথৌনা য়োকলিবা ভাগ্যচন্দ্রগী ফিদম লৌরবস্থ অচুম্বা নত্তনা অরানবা ওইরোই। ঐখোইনা নিংবতনা নিংবা থুংন্না ঙমদে হাঙ্গৈবা অসি খংজমলবদি নিংবগা লোইননা থবক্তা খুৎ থিংজিন্দুনা ভাগ্যচচন্দ্রগী ফিদম লৌবা ৱারমমোইদবনি।

নিংবগা, থবক্তা, খুৎ থাজ্রিঙৈদা মহৈগী ৱাথন হান্না শারুবদি থুংত্রগা থবক্কী লমদা নিংবা কাঙ্গৈবা পোকই, থুংলববস্থ নিংবগা মান্ননা নুংঙাইবা ফংদদনা থবক্কী মীরদা হৈনিংবগী চাং ককথৈ। ভাগ্যচন্দ্রনা তেথাও নিংথৌদা তৌবিমল থংবগী অশেংবা পুকচেনগা লোঙ্গৈননা হাঙ্গৈখি—"মহারাজ! ৱারুদনা ঐগী কান্নবা লৈতে; ঙমগনি হাঙ্গৈদনা হৌদ্রবদি থবক তৌবা য়াদে ঙম্বাঙমদবদি ঐনা তমজত্রিবা গোবিন্দগী কৃপানি।" নিংলবদি নিংবা অদনা য়ুংলবদি অদগা মাদনা হৃন্দ্রবদি পাংনবা লম্বীস্থ মরাইনা লাকচৈ। ভাগ্যচন্দ্র মতোমতনা মী অমগী পাম্বৈ য়াওদনা মীরৈবাক চৎতুনা মরৈরাক্কী মনিংমথা তম্বা ফংবা ঙম্বা য়াত্রা হাঙ্গৈবা চাং য়েংবা অদু নিংবনা য়ুংলবদি পাংবা মঙম্মি হাঙ্গৈদনা মহাক্কী মগুণগী চাওথৎপা হেনগৎপা নত্তনা হুম্বা লৈতে। নখোইনা মহৈগী শরুক্তা নত্তনা হোৎনবা ফাওবা লাইগী খুয়াদা কংশিন্দুনা মীগী মগুণ ময়েং তাহনবা ঐখোইনা য়ানিংদবনি। মরৈবাক্কী য়েকনবা অমস্থং মীরৈবাক্কী য়েকনবৰু তানথোক্তুনা চীংনা কোঙ্গৈনা পনশাবা, হাওনা কোইনা পনঙাকপা মণিপুর সনা লৈবাক্তা অমতা ওইবা নিংথৌগী ফম্বান ভোংবা অসি অয়ম্বা মীনা তৌবা ঙম্বা থবকলা হাঙ্গৈবা অত্থু কনানা চিংনরোইদবা লৈবগে? অস্থমনা মরৌশিংনা, মথৌনানা, মপাঙ্গলনা মশাগী লেংদ্রবা থাজবনা, মরৈবাক্কী মরীদা মহৌশাগী ওইবা অচেৎপা নুংশিবগী থৌঙ্গৈনশিননা তৌগদৌবা থবক্তা অক্তনবা নাইদবগী অরোইবা মহৈনা ফংলবা লৈবাকতা মনিংমথা তম্বগী সিংহাসনদা মনিং মথাতমনা রায়েল থৌদাবা পাম্বা অসি খাইগী মরমদা ওইরবদি মহৌশাগীনি হাঙ্গৈহুনা মাতুগী মরমদা ভাগ্যচন্দ্রনা থাদোকপগী হালেংদ্রবস্থ থোইদোকপা অনৌবা দোষ অমনি হাঙ্গৈত্তনা ঐখোইগী নিংফম লৈতে। তৌইগুম্বস্থং ঐখোইগী পুকচেল চাওরবা ভাগ্যচন্দ্রনা জাৎকী হৌনবী ঙাকনবগীদমক মশা মশাগী ওইরবদি অচুম্বা হৌনবী অমনি হাঙ্গৈবা য়াবা পুকচেন থাদোকতুনা মশাগী শেংলবা লমচৎ অত্থু শেংদোকপা উরগা ঐখোইনা নুঙাইবা নত্তনা ৱাবা ঙমদে। মতোননা য়াররোইদবা নত্রগা য়াবা ঙম্মরোইদবা থবকনি হাঙ্গৈহুনা মশানা তাঙ্গবা অত্থু মশানা থংনা কথোকপনি হাঙ্গৈরবদি ঐখোইনা মহাক্কী মমিং পনবদা পাপ কোকনরিবা অচৌবা মীগী অশেংবা থমোইবু থাজদবগী পাপ পুগদবনি। মরমদি ভাগ্যচন্দ্রনা পুন্নমক্কী অমাবা লৌহুনা নিংথৌ ওইবগী সিংহাসন্দা কমলবস্থ নিংথৌ ওইবগী নুঙাইবদি মতোনগী তমদনা মশাগীদা থাকপা হৈতে। ঐখোইনা মী ওইবগী ফম্বাল থক্তগী থাক কয়া মথৈ কুমথরবা হাঙ্গৈবত্থু মীনা তাক্ত বস্থ ইশানা থংবা য়াই অত্রনা ঐখোইগী জাৎনা হিন্দুনা থোইদোকপদিনা মৈতৈ

লাক্কদৌরিবা মতমগী ফত্তবা খন্দুনা হায়। কিবা অসি অমরোমদদি অরানবা ওইদনা অচুম্বনি হায়দুনা গৌরুরবস্থু ঐখোইগী তোংজবতনি।— মাহু তোক্কুনা ৱাহৈদগী বিচার তৌরুরবদি অচুম্বা ওইহুনস্থু ঐখোইগী অমাংবনি। ওন্থোকপনি। কয়াদা নিংথিজরবা ৱাখয়ো ৱাখল হায়বদা চিংনরবমকস্থু কয়াদা ফজরবা লমচংনো। মাহুমক্তদা য়ানিংত্রবস্থু কয়াদা পুকনিং হুনবগী মশক ওইবা ৱাহৈনো? মীনা বসন্তগী কোকিলনা খোংবা তারে; চীংয়া পামেল ৱৈনা খোংবা তামনাগী অথুম্বা খোঞ্জেলস্থু তারে। মুংশিবা ঙাক্কনি। তৌইগুম্বস্থুং মশাগী ওইজবা থাদোকপা ঙম্বা, পাম্মবা খংদবা মীশিংগী অথুম্বা ৱাহৈ তারগা গুম্মংপা ঙমত্রবদি শকমাম্নদবগুমনা মীমাম্নদে হায়বা খোইদোকপদি থম্মোইদা লৈ হায়বস্থু ঐখোইনা খংহৌহুনা অনৌবা লৌশিং ওইনবা য়াই হায়বদা চিংনফম লৈতে। ঐখোইদা ওয়্নতৈনবা উরবস্থু মীগা লাইগা খেন্নবা অসি কদাইদনো খংহুনা ভাগ্যচন্দ্রবু থাগৎপগী মথক্তা থাগৎহবা ঙমদে। লৈবাক মরা তপ্পে, শ্রীগোবিন্দ লিংখৎলে। গোবিন্দ পালা শেমলে, রাসেশ্বরী পালা শেমলে। অস্থুমনা অপাম্বা লৈতনা, পুকচেল ফজনা লিংখৎলবা লৈবাকনা মপুক তপ্তনা ঈশৌ লাংবা হৌনদে। মৈতৈনা অনৌবা থৱাই ফংবগুম্না অমুক পুনশিগী অনৌবা লম্বী অমদা চংশিন্দুনা চাউখৎপগী মপু ওইরে। হৌজিক মৈতৈনা পাল্লিবসি মতমগী অমস্থুং তিম্নবগী মরীনা অয়াম্বদি ফত্রবা শকফম ওনশ্রবস্থু অফবা শরুকমথৈদি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী লমন তোল্লিবনি হায়বা অসি খংদবনদি খংত্রে, অখংবমথৈনদি হৌনবা মতুংইম্না পুকনিংদা নিংশিংদবা ঙমদহুনা মহাকপু নত্রগা মহাক্কী মমিংবু ঈকাই খুম্ননিংদবা তৌদে।

কনাগুম্বনা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজবু থমোইগী অথোৎপা পুকচেনদি ৱাৎপনা তৌগদবা থবক্কী অফবা, নিংবা থুংবা মহৈ ফংহুনা চাওখৎপগী খুভম ফংবা য়াবা মতৌ ওইবনি নত্রগা ওইবর হায়হুনা মপুকনিংদা চিংনবা পোকলবস্থু মাহু অচুম্বনি হায়হুনা ঐখোইনা থাজরুবা ঙমদে ভেংবানবগী হৌনবীগুমনা মীওইবা অমগী কান্নবা অহু অমগীদি অমাংবা ওইহুনা নাকল অনিমক্কী ভেংবানব কান্নবদি তোঙনা থোক্লে হায়বা য়াদে। ঐনা নংগী নরল হুরাললবদি নংগীদি মাংলবস্থু ভেংবানব অসিদদি ঐগীদি অমরোমদা তোংজরি, অহুগা ঐগীদি তোংজরবস্থু নংগীদি অমাংবনি। খুদম অফ ফত্তবদি ৱা অমনি; থমোইগী অথোৎপা পুকচেল অসি পামলবস্থু মাহু থাদোক্তনদি কান্নবগী অহুস্থু ধর্মগী লৱাইদা করিগুম্বা অমাংবগী শরুক কুপ্তনো মপুগী য়াথং নীংবা ঙাক্লবগীদমক তৌরগদবা থবক্তা পাংবা ঙমদবস্থু য়াই। য়েকনবগী মকোকনা পুং ফাই হায়বা অসি ৱাহৈগী লৈতেং ওইরবস্থু অচুম্বস্থু মওইহললো তৌইগুম্বস্থুং ঐখোইনা হৈমিংনা উহৌত্রবস্থু মহাভারতকী লানজিন্দা চান্নবা ভক্তি কংফম খোকপশিং উরুরগা, নিংবা কাইরবা অর্জুনদা শ্রীকৃষ্ণনা পাউতাক পীবগুম্না, নীংশিংহুনা লান্দা মাঙ ওললো হায়বা ঙমদে। ভাগ্যচন্দ্রগী মতুংগী পুনশিগী মরমদা তারবা মীনা ভাগ্যচন্দ্রবু অর্জুন শাহন্দুনা "ন কাঙ্ক্ষে বিজয়ং কৃষ্ণ নচ রাজ্যং সুখানিচ" হায়হুনা হায়হল্লবস্থু ঐখোইস্থু য়েৎজিবা মীশিং অহুতস্থু নঙ্গনা চুম্বা মাল্লে থাজদবা ঙমদে। তৌইগুম্বস্থু

লান্দি তোকপা য়ারমদরে ; মরমদি ঙাকপিবগী মতিক চাবা মতম হেনখিরে। অদু নত্তঙনা অথোংপা পুকচেলবু চুনা মতম শগোইদা য়োকতুনদা থমলমলবদু ধর্মগী মরীদদি চাওখংলগা নিংথৌ ওইবগী মরীদদি হুব্বা য়াই। মরমদি নিংথৌগী হৌনবী হাঙবা অদি অকুপ্পগীসু অকুপ্পনি। ধর্ম অহুমকী ঈকাইখুম্নবা ঙাকপা য়ানবগীদমক থোইদোক্লা হৈংশি হৈতবগী থবক ওইরবা লান অহুমক তৌদবা য়ারক্তে ; অদুগা ঐখোইনা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজবু কহৌরবা লাম্নীনি হাঙজনা চীংথংখোম্বা নিংথৌ হাঙদনা থংবদা নত্তনা লাইবু নিংবা, কবি অমসু পুক্কচেল থোক্লবা ভাবক অমনি হাঙহুনসু থংবা য়াদে ; মরমদি মৈতৈগী ভাংলবা মিংকী পি অসিগী চেম্মরককম ইফুংপু ভাগ্যচন্দ্র নত্তনা কনানো ? মহৌশাগীনি হাঙবু, মতমগী শাশিন্নবনি হাঙবু—অকবা পুমনমকী মকোক্তি ভাগ্যচন্দ্রনি।

জাংপু কত্তবগী লম্বীদা চংশিনবা উরগা নত্ত্রগা মাহু উত্রবসু জাং অদুবু অমুক হেন্না কবা লম্বীদা চিংশিনবিবা ওম্বনা করিগুম্বা অফবা মগুণ লৈরবদি ভাগ্যচন্দ্রগী মফমসু হাকনা হুব্বা নত্তে। তৌইগুম্বসুং ঐখোইগী জাংপু শেংদোকপগী থবক্তা খুৎ থিংজিনবিরবা ভাগ্যচন্দ্রগী মওংদি অতৈগা মাম্নদবা অতোপ্পা শকফম অমা উদনা ঐখোইনা মুঙাইবা নত্তনা বারুকম লৈতে। মবমদি লৈরম্বা লমচংপু মাংহন্দুনা শেংহনবগী থবক ঙাক্তদা য়েংলবসু লৈবাক্তা ঈরাং হৌই ; মব অদনা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা লৈরম্বদু কাঙদনা থমদনা মাদদা অকবা মতৌ ওম্বা মখৈ ঈনশিন্না লাকনদনা লাইগী খুৎমককুমনা থাগৎনফম ওইবা থবক হিরম পুমনমকতা উৎলি। অদু হাঙ হাঙদনসু ঐখোইনা ভাগ্যচন্দ্রগী অনৌবা ফোংদোকনবগী পাক্কল বাৎপরা হাঙদনা ঐখোইগী অচৌবা নিংথৌ অসিগী মগুণ ময়েং তাখিগনি হাঙবগীসু হাকনা কিককনু। হৌজিকবা অমসুং লৈরিবা মৈতৈ ওইবগী মতৌ অমসুং মৈতৈগী লীচৎ পুম্নমক হুম্না হুম্না নৈনরিবা অদুপকী মতিক ভাগ্যচন্দ্রগী ফোংদোকপগী ওইখোক্তবা পাক্কলগী মরমদা ঐখোইনা অনৌ অনৌবা ফোংদোকপা থোইনা বারোই।

মরম পুমনমক অসিনা অমসুং অসিদগীসু হেন্দোকপ মরম পুমনমকনা ঐখোইনা ঙসি ভাগ্যচন্দ্রবু লৈবাকতা— অফবা নিংথৌ বায়েনশংদা— অচুম্বা নিংথৌ জাংকী শেংদোকপগী হীরমদা মবম উরবা শেংদোকপীবা মী, ধর্মগী মরীদা— ইশ্রি খুতুম চল্লবা সাধু, অনংবদা— পীনহৈবা— পুকচেল চাউবনি হাঙহুনা থাগত্তবা ঙমত্রবসু থোইদোকপদি মাহাক্কী অচৌবা, কান্নবা, অফবা, অচুম্বা নিংথিবা, লৌনফম ওইবা ওইজবা ফিবম পুমনমক ফংহুনা তৌবিমল থংবগী খুদম্মখৈসু উৎপা ঙমই। মসি থক্পুরবদি মীওইবগী পুকচেলবু থাগত্তবা ঙমদে—ঙসি ভাগ্যচন্দ্রনা অতোনবা অনংবগীদমক মুংশিহৈবগী পাম্বোম তিংথোক্নুনা কোনবিন্নত্রে ; ধর্মগী মরীদা পুণ্য তৌরকলবা পাম্বোম অনি থাক্কৎতুনা জগোই শাত্রে ; মরৈবাক্কীদমক মকোক য়োন্দুনা লানফমদা নোংশাগী লাম্লাও লাওত্রে ; তৌইগুম্বসুং তৌবিমল কাউহৈত্রবা মীওইবগী পুকচেম্না অতৈমক ঙমত্রবসু

মহারাজপু অহুমক ঙমজবস্থ মহাকী ভাগ্যচন্দ্র হাঙবা মিংকমবু নিংশিংহনা অমা হুংঙাইমবা পুকথেম কাহুনা মহৈ য়ানমরি। পৃথিবীদা লাকলগা চাহুনা, তুমহনা, মোকুনা, চংহুনা, মিংশেল্লা শকথম মথেন্তা লেংহনা পৃথিবীদগী হনখিত্রবা নত্রগা তেংবানবদা অকনবা ইরৈদা ঙাউবা কৌবীশিংনাংঙুম্না থোকউবদা ঙাউথবা নত্তমা মতমগী ইপাকী তোর্বান লৈঙোই মথক্তা মূত্রবা, খোমুল খনমহনা মাহাক্না খোকপনা তেংবাননবা মুঙাইবগী জগোই শাম্নবা ভাগ্যচন্দ্রবু নিংশিংবগী কিক্কিদগী হল্লোকলম্বা ঙমদহনা ঐখোইমা পোকপগী মহৈ য়াম্নরে। ঙসি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা ঐখোইগী লৈবাকী লমজিংবিনবগীদমক লৈত্রবস্থ পুকচেন চাউবা য়েষ্টোননা হাঙবগুম্না ঐখোইদা অকনবা ফিদম পুম্নমক খঙিহনা চান্নবা মরূপ কুমনা কুম্বী কালেন খাইদনা লেঙ্গোম্নরি। মহাকনা মণিপুর সনা লৈবাক্তা থাবিরম্বা ফিদমগী অচোবা পাম্বী অদুদা মৈতৈনা মাইগৈ মম্নিগী চেকলাগুমনা চংনফম ওইদনা হিংদনা পানবগী মরমদা মৈতৈগী চাওখৎপা খুভম ফংবা য়াদবা লৈত্রি ভাগ্যচন্দ্রনা মৈতৈদা পোকপা অসি ভাগ্যচন্দ্রগী নত্রে, অওইবমক মৈতৈ ঐখোইগী লাইবক ফবনি।

ঐখোঈবা অমস্থুং মশাগী ইকাইখুমনবা।

নোম্লুকপা হম্বনা চংপা মীগী মীচং ওইনিংদবা তেংবানবদা কনা য়াওবগে? মরমদি মাহাক্না ভাংখোরকপা মম্বাহৈ, চংলকপা মচৎনা লাঙ্গকাইরেম্বাগী তম্না পামেল য়েনা খোংবা তামনা অমা ওলাংথাগী চন্দন চাইবা লৈরাংগুমনা মীগী খম্মোই ইংননবগী মশক্তি। ভক্তি অমস্থুং হুংশিবনা মাং থম্মোইদা তত্তনা চেম্নবা ইচেলনি। অসিনচিংবা নোম্লুকপগী কাউম্না য়াত্রবা অফবা মগুণ পুম্নমক অসি খল্লুরগা মাগী মীচং ওইনিঙেঙাইদবা কনা য়াওবগে? ইশাগী ওইজবা, মীবু উশিত্তবা, ইশাগী ইকাই খুমনবা পুম্নমক থাহনা নোম্লুকপদা "শিন্দম চংনিংবসি মহৌশানি। মশাগী ওইত্তবা অমা লৈত্রবস্থ মহুশানবা লিনগুমনা মীগী থম্মোইদা চিবলুরিবা মরম লৈতনা মীগী মনীং মথাভম্বা, ইকাই খুমনবনচিংবগী মথকতা খম্নদং য়ৈথাঙ্গবা ঙমলগা পেম্নরিবা অখোঙ্গবা হাঙ্গবা পুকচেল অসি ইংনা পানশি হাঙ্গনা রাশক ভেমশিংনরিবা ঐখোই খুহগী লম্বীদা থাকলবা শোগী মশকনি হাঙ্গবস্থ ঐখোইনা য়ানিংই। তৌইগুদস্থুং অহু হাঙ্গ হাঙ্গহনস্থ মীওইবগী পুকচেল অসিমদা তাথীম্না ভাংঙবস্থ ঐখোইনা পামদে। মীওইবগী পুকচেল হাঙ্গবসি য়াম্মি, কয়ামরুমনা লৈগুম্না খোংলি, মাহু খল্লুবদা হুংশিদবা ঙমদে; কয়ামরুমনা কললি, মাহু খল্লুবদা পুকনিংদা খোজান অমস্থুং হুংশিবা পোকত্রবস্থ ভক্তি অমস্থুং অকিবা পৌকই। অস্থুংগা মশাবু ইকাইখুমনগে হাঙ্গরগদি

মহাকপু মীথোই মীহেল্লনী৷ মীঙোনবগী বাৎত্তে হাঙ্গনা নিংদবা য়াদ্রে মাহুদি অথোইবনি। অওইরমক মাসি থৌজানগুম্বনা মীগী অরাবদা পেথবা লৈতে৷ হুংশিবগুম্বনা লমলানবু ঐগী ওইহনবত্থ হৈতে। অথোইবা মীবু মীনা হুংশিদবগী অথোইবা মরমদি অসিনি।

তৌইগুম্বহৌং অথোইবা মীনা কদ্রি হাঙ্গরি ?— নোম্লুকপা৷ মীনপ্পা হৈবা মীবু মীনা হুংশি হাঙ্গরা চুমই। মরমদি চংজরকপা মীবু চংনকম পীবা হাঙ্গবা অসি ধর্ম থংবা মীশিংগী মশিননি। অথোইবা মীবু মীনা হুংশিদবগী মরমবু মশানা পামজদবনা কংদবনি মশানা হুংশিবা৷ মীগী থৌজান ইপাম পামজদবা মী অত্থুদা কনানা মপুকথোকনা হুংশিবগী খুদোল কংলগনি। মশানা থরা তোপতোপ তাবা অত্থুনা মীনা মাবু য়েংনিংদে। তৌইগুম্বহৌং মাহু হাঙ্গহুম্বহু মশাগী ইকাই খুমনবা অথোইবা বাথনবু ঐথোইনা তাথীরুবা ঙমদে। হুংঙাই য়াইফবা হাঙ্গবসি মী পুন্নমক্কী মারাইবকতা মাম্রনা তমদবগুম্বনা নোম্লুকপা লমচংহু মী পুন্নমককী মকমদা মাম্রনা চননৈ হাঙ্গনীংদ্রে। চুঙাই য়াইফরিঙৈগী মতম্দা অথোইবা পুকচেন অসি থাদোকউ, কে। মরমদি মপান করিঙৈ, থংনবতা ঙাইরিঙৈদা নকনবা মরী হেক থোকলিবা৷ চিম্বান থোইকমতা তৌবদা থল্লম্লিবা চামনা পকতুনা থেকনা নোকলিঙৈ৷ অমদি মরম লৈতবা হুংশা মপী অমতং হেক তাবদা মী চামগী নাইথোং রাবনা মকশিল্লিবা মতম অত্থুদা মীগী মথোং চুপন্দ্রবহু কত্তবা লৈতে ; মতম অত্থুদদি মাহাবপু নোম্লুকপনি৷ তাইবংপানবগী যিদম লৌনফমনি হাঙ্গহুনা থাগৎনগদবনি। অত্থুগা মাহু তৌবনহু চুম্মি ; তেংবানবদা কনানা কনাবু হুংশিনৈ হাঙ্গগনি ? হুংঙাইরম্বা মীহু মরাইবকথীবনা অমুকতং লৈথা হেক তারকপদা মতুনা মরাবু হননা য়েংনিংদে মমা য়ৌনবু মচাদা হুংশিবা বাঙাংবা কাউথি ; মরুপ মপাংনা কাউহুনা য়ৌনবু নিংশিংবিদে। মতম অত্থুদদি মাহাক থোৎনাং মশীং থীহুনা চত্তবা য়াদে৷ বা অমতং ঙাংগদবদা মঙারক থম্মদবা য়াদে। নংলিঙৈগী মতম অত্থুদদি মাগী নোম্লুকপা, হুংশিবা৷ মরাহৈ ফজবা৷ মীবু থাগৎপনচিংবা পুন্নমক মশাগী ওইজনবা তীরোননি হাঙ্গহুনা মীগী নোকনফম ওই। মতম অত্থুদা অথোইবা বাথল লৈত্রবদি মীওইবনা কয়া হনথবা তাবগে হাঙ্গবা অহু থন্দুনা য়েংউ।

অওইবমক মশাগী ইকাই খুমনবা অথোইবা বাথল অসি তেংবানবা অসিদা তাউদনা লৈবা লৈবা পোংগী মশকনি। অপান্বগী মতমদা থোঙ্ঙাকপগুম ঙাকপি৷ অরাবা তারবদা মরুপ কুমনা কোনবি চাওথৎপগী লম্বীদা মীওইববু চিংশিনবিই। মরমদি মশাবু ইকাইখুমনম্লিবা৷ তেংবাংবনা নামা লেপত্রবহু ঐ লৈরি হাঙ্গদনা মাঙ্গরোং য়ারিবা মীশিং অদগী বাথল থবক পুন্নমক শোঙ্গদনা মীথোই মীহেল্লমগনি হাঙ্গবত্থুদা চিংনফম লৈতে। মাহাকনা মীগী চাওথৎপা উরগহু কল্লকউবা তৌদে ; মশানা মশাবু মীঙোন্দগী হেল্লি হাঙ্গদনা নীংলিবা মী অত্থুনা হেনগৎপা অমা নত্তনা মীগী চাওথৎপা অহু কদ্রি পামহৌনরুফম লৈবগে ? মাহাকনা লোননা থুপনা তৌবা হৈতে ; অমমবদা ফবা থংদে৷ অমুককী মক্কমদা চামরক শিবা তারবহু মত্তিক চাদবা মক্কন্দা লেপ্পরা তৌদে। মরাব চামা তাইবা ফি শেকমহু৷" মীগী মত্তেং কাল্লগদবা মনা লৈদরম্বু মাহাকনা মীগী থোংজিনদা লেপলুবা হৈতে।

অসিগুম্বা মীওইবগী পুকচেল অসিগী অমরোমদা ফনা ফত্তবা লৈদ্রনম্ব মাসি থাদোকফমবনি হাইদ্রো ঐখোইনা পাত্তাক পীনিংঙে। ' মাসি অওইবমক মীওইবগী পুকচেলগী লৈতেং অমনি।

ফনাগুম্বনা লাইগী নোংদমদগী মী তরাগী মন্নকতা হেক শীংখানবা য়াওবগা মী ভদে, খোং লৈপাক ' তানিংদে। মাহুদি চাউথোকপনি। অদুগা ফনাগুম্বা অমনা ওমগদোবা মরম উনম্ব মরাইহৈমকত্তবা চাউথোক্লনা মীগী হুংশিদনবগী মফম ওই, মাদুম্ব নাপননি। মতিক নত্তনা মওন, হায়না "অসি অপংবগী থবকনি। ঐগী লৈজবম্ব উৎলুবগী করি কান্নবা লৈবগে? মীওোন্দা উৎপাদি লৈতবা মীগী থবকনি। মন্নাইবক থীবদগী ফনাগুম্বদা অসিগুম্বা পুকচেল অসিনা হেক পকল্লবদা মাহাক্কী মচৎকা লোইন লোইননা মশক্কী নিংথিজবা কাওবা মাংখি, মাহাক্কনা ওাংখোরকপা মরাইহৈ খুদিংমকদা মীগী থমোইদা তাশোন থীনবগুম হুংঙাইতে। মাসি মীওইবগী লমচৎকী অচৌবা মন্নাল অমনি। তৌইগুম্বসুং মীগী থমোইদা হুংশিবিনবা ওইবা অওইবা মহৌশাগী থর্মগী মথক্তা মীওইবগী থমোই অমসুং পুকনিংবু মীনা শোক্লদবদগী ওাকলিবা অথোইবা পুকচেল অহুদি অরুবা পুথ্রীগী ঈশিংদা তাবা অনৌবা হুমিংকী মওালগুমনা মীগী মিংথকনবগী মশক ওইদে; মাহুনা থৌজান, হুংশিবনচিংবগী মতৌগুমনা মীগী হুংশিবমক মফম অয়াম্বদা ফংবা ওমত্রবসু মহাক্কী মচং অহু থম্দুনা য়েংলুরগা অকিবগা লোইনবা ভক্তি অমা পোকনি হাইহুনা ঐখোইনা নীংই। অহুগুম্বা অথোইবা পুকচেল অহু তাথীরুবদি লাপনবু থমগ্রো; ঐখোইনা মাসিবু মীওইবগী পুকচেল পুন্নমক্কী মমল নাইত্রবা লৈতেংনি হাইনিংই। মীওইবগী পুকচেলদা থৌনাফবা, ইচংথোবা, অকনবা অথাংকনবনচিংবগী অরাৎপা লৈবা পুন্নমক মেনশিনবি; ইকাইগদবা চোপকদবা পুন্নমক্তগী কনথংপি। মহাকনা কনানা করি হাইরগদগে হাইবদুগী অকিবা লৈতে। মাদু কিরুবদি অয়ম্বনি হাইদুনা ঐখোইনা তাথীনৈ। অয়ম্বা মীগী থবক মশক থোকতে মহাক্তি মীনা তাকপা লম্বীতদা চংলি, মাগী জগোইদি মীনা য়ৈবা তালগী মতুং ইন্না শাবনি, থবক পুন্নমক্তা লাইনা পীবিন্নকলবা মাগী লৌশিং অদুগী শিজিন্নফম থংদে হাইবদি হাইরুদুনবু অরেম্বনি। অয়ম্বা মীগী মাইথোংদি অরেপ্পা লৈতে; অবাবদগী হুংঙাইবদা, হুংঙাইবদগী ইকাইবদা অহুমনা মাগী পুনশিগী পুংজা খুদিংদা তত্তনা ওললি। তৌইগুম্বসুং মশাগী ইকাইখুম্নবা অথোইবা মীগী পুকচেল্দি চেদা য়েকপা লাইগী মশকনি। ' তেংবানবগী থাগৎপা থাদবা অসি মহাক্কী মফমদদি কাকনা থোংবা নক্রগা না'রকতা কপ্পগুমনা কান্নদবগী মশকনি। মহাকনা থৌদোক খুদিংমক্তম্ব শোইদনা মীমাংথাই। মরমদি মশানা মীওোন্দগী শোথবা হৌনদে হাইনা নীংলিবা মী অদুনা মীনা ঐগী ইতুং ইল্লসম্ব, ঐগী ইভৌ তমজসম্ব হাইনা নীংদবা য়াদে।

অদুগা মীওইবগী পুকচেল পুন্নমক্কী মরমদা 'মুক্রা থংলবা ফনা ফনাগুম্বনম্ব হাই জীব অতে অতৈদগী ঐখোই মীওইবনা হেন্দোকলিবা, মথোই লৈত্রবদি মীওইবা হাইবা মিংথোল অসি

কংবদা ঐখোইনা মতিক চাবোইদোম্বিবা থৌজান নুংশিবনচিংবা পুকনিংগী লৈরাংগুম্বা অথোংপা পুক্তেনশিং অসিগা মরী থোকপা লৈত্রবদি মহাকনা অমরোমদা কনা কচুনহ্ ঐখোইনা অথোজবগা মরী থমনীংদে। মাসি অচুম্বা রানি; তৌইগুম্বহুং মাসিদসু ঐখোইনা হাঙ্গনীংবা অমা লৈ—মীগী অৱাবা অমা উরগা মহৌশানা ঐখোইনা মিৎলুদা পিগীমখৈ শিন্ববা ঙমই মনাক্তা চংতুনা অৱাবগী রাহৈ অনি মরিদং ঙাংঙবদি লাই; মাসি থৌজানগী থবকনি। নুংশিহৈবা মীনা মাহাকনা নুংশিরিবা মীগী মনাক্তা চংতুনা নুংশিবগী রাহৈ অমা অনি ঙাংবদি লাই; মাহাকী নুংশিবা ফংনবা চান্নবগী খুদোল পীরুবা মখৈ নুংশিবনা ঙমই। তৌইগুম্বহুং অৱাবগী অন্নাবা কোকনবা, নুংশিবগী পাম্নবা থবক পাংনবা মতাং য়োরকলবদা কনানা মাঈরোং য়ারবগে? অততায় য়োরকলবা মশাবু থৌঙমদবা মীনি হাঙ্গনা নীংবা মীনা করি কান্নফম লৈবগে? ঐখোইনা রাশকপা ঙমই, ঙাকপা ঙমদে। তৌবা হোই, লোইবা নাইদ্রে। পোথি তৌই থবক্তা খুং খিংজিললুবা ঙমদে। হিরম পুন্নমক্তা তৌশিন্নবগী মতৌ উংলি। অসিনচিংবা মফমদা মশাগী ইকাইখুন্নবা য়াওদনা ঐখোইনা করমনা থৌজান নুংশিবনচিংবা পাংবা ঙমবগে?

—— ——

নুংঙাইবা।

তেংবানবদা নুংঙাইবা পামদবা কনা যাওবগে? মী ওইবগী পুকনিং অসিনা মহৌশানা নুংঙাইগীদমকতা লাংতক্‌না লৈরি। মিৎ অসিনা মহৌশানা তেংবানবগী মিংথিজবা অসিদা লুপ্ননা লৈনীংই। নাকোং অসিনা অরাম খোরাংবগা লোঙ্গনদা উচেকী নীংথিবা কেলোই, বীণাগী অথুম্বা খোঞ্জেন অঙাং নন্নাগী মতেক মতেক ওইবা স্বর অমসুং চান্নবগী নুংশিবা কোলোই মপাও তাননবগীদমকতা খোইরাংতুনা লৈ। লৌশিং অমসুং রাখন্না মান্নবা হিরম অমতংগীদমক্তা করিগুম্বদা নোংমদোন য়োনা পাইখৎলি, করিগুম্বদা সমক্রগী ঈপাকতা চোংথৈ, করিগুম্বদা অন্নাংবা লোইবী চীংখাং যোনা কাখৎলি। থংবা তাবা অমা লৈত্রবসু মী ওইবনা করিগুম্বা অপুনবা অমগী থৌইনশিন মতুং ইন্না মহৌশাগী নীংথিজবা অসিদা লুপ্ননা লৈনিংই। মরমদি অসি পুমদমক অসি মরম অমমমদা নুংঙাইবগী ঈচেন ঙাক্তমি কবি, পুরাণ পাঈবা, লাইহ্নিক লেংবা, লৌশিং শিংবা পুমনমক্কা পৃথ্বীগী নুংঙাইবা পুন্নমক থাক্তুনা পুকনিং হুকচাং পুন্নমক লৌশিংগী মপু ওইরিবী সরস্বতীগী খুযাদা কংখোকলি। ওলাং থাদা মাখোইগী ওলাংবা লৈতে, নিংথম থাজা অইংবা নাইদে; তেংবানবগী অৱা নুংঙাইবগী মাখোইনা থাপনা লৈ। তৌইগুম্বহুং মাখোইনা লৌশিং অসিগীদমকতা অরুপ লাংতকনম্বিবা কম্নিগীনো? অতৈ করিসু নত্তে; লৌশিংগী মতুং অসিদসু নুংঙাইবগী ইফুং ফাওরি। মচাগী নুংশিবনা গুক্কংলবা মমা মপানা নুংশিবগী পাদোম তিংথোক্লুম্না

কোললি ; চান্নবা মন্নপনা চান্নবা মন্নপকী লেংবান্দা কোন্নহনা চান্নবগী য়ান্নী শান্নি। মুংশিবনা হুংশিন্নবগী মফম্নদা নাপচিকনা থম্মোইগী অথুপ্পা পরাই তৌরিঃ মাসি করিগানো ? মরমদি মুংশিনবগী মম্নুংদমু মুংঙাইবগী ঈথক হৌরি। অম্নমনা ঐখোইনা ছিরম পুম্নমক্তা উবা ফংই— করি অমুক হাঙ্গনি সংসারগী অয়া অনানচিংবা। পুমনমক থাদোক্নুনা মীচিক নাচিকখোন তান্নবা নারকতা লাহি নীংঙ্গবা লম্বোইবশিং অসিমু মশাগী করিগুম্বা খোয়াংবা অমগী মথা পোন্দুনা অহিং মুংখিল থাঙ্গদনা তেংবানবা মপু ঈশ্বরদা তেংবানবগী মঙ্গলগীদমকতা তত্তনা নিবিন্নি; মরমদি ঈশ্বর নীংবা হাঙ্গবা অসিমু মুংঙাইবগী ঈপাকনি।

তৌইগুম্নবমুং মুংঙাইবা হাঙ্গবদি করিনো ? হৌজিক অসিদা অয়াম্বনা অপেনবনা মুংঙাইবনি হাঙ্গবমু য়াওই। তৌইগুম্বমুং 'পেনবা' হাঙ্গবনা করিনো ? মীওইবগী অমুক পেনবা হাঙ্গবা লৈরিব্রা ? অপেনবনা মুংঙাইবনি হাঙ্গবা অসি অমরোমদা ফনা চুমহনমু অপেনবদগী অবাবা পোকই হাঙ্গবা অসিমু অয়ানবা নত্তে। মরমদি মীওইবগী অপেনবগী লমথুংফম নাইদে। মসি ওইরবদি মুংঙাইগনি হাঙ্গবা অহু হেক ওইবদা থম্মোইদা অপেনবা পোকই ; তৌইগুম্বমুং পেল্লবদি অনৌবা য়াথল অমা অমুক লাক্নুনা শোঙ্গদনা অবাবা পোকহল্লি। অহনা তেংবানবদা মুংঙাইবগী আশা তৌরুবদি অরেম্বদা তাই। তেংবানবদা মুংঙাইবগী লম্বীনি হাঙ্গহুনা লৈরিবা অসিদি লমলোং চামা চামা ফাংলে ; তৌইগুম্বমুং চংতুনা য়েংলুরগদি অবাবদা ঙাক্কা তারুই। থাউমৈগী মৈন্নিনা ইঙান ঙানন চাকলি ; মাহু উবদা মৈন্নানবীগী থবাই পুবা ঙমদে ; মহাকনা ঙাইহাক কোঙ্গপাই পাইরগা মৈন্নি তমনা চোংশিল্লি মাহুনা থোকপদি— চাকথোকপা। মীওইবমু অওইবমক মৈন্নানগী মশকনি। মহাক্না তেংবানবগী মুংঙাইবগী লাইবানা গুক্ষ্মংতুনা "মুংঙাইবা, মুংঙাইবা" হাঙ্গদুনা লমথোং থুংনা চংলুরগা মমৈদা অবাবগী ঈপাকতা চোংথরে। মরম অহুনা মুংঙাইবা হাঙ্গবসি মীওইবগী লাইবকতা তম্মমদব্রা; পামজবগী অহুক "মুংঙাইবা মুংঙাইবা" হাঙ্গহুনা লাওজব্রা হাঙ্গনা নীংবমু করি লামকম লৈবগে ?

অহু ওইরবদি তেংবানবসি অবাবগী মশকনি হাঙ্গবা ভারে। তৌইগুম্বমুং মাহু লাল্লি। করিনা ঐখোইনা উইঃ তেংবানবদা থাজৈশেংবা মুংঙাইবা ফংদবগুম্মা অশেংবা অয়াবমু লৈতে। অমা লৈত্রবদি অমমু লৈতে- থাং অমগী মাঙ্গগে অমদা হাঙ্গবমু অনি অসি থাইদোকনবা য়াদে। অমা লৈত্রবদি অমমু লৈতে- থাং অমগী মাঙ্গগে অমদা কুংশিনবা অহু মাঙ্গগে অমদা পোম্বোকই। কুংশিনবা অহু লৈহন্নোই হাঙ্গরবদি অপোনবমু মাঙথি, পোলহন্নোই হাঙ্গরবমু অকুংপা মাংখি। অনি অহু লৈত্রবদি মাঙ্গী থাং ওইবা ভোকতুনা রোংপাক তাই। অহুওমহুনা তেংবানবা অসিদা অবাবা মাংহনগে হাঙ্গরবদি মুংঙাইবমু লৈতবা তাই ; অহুগা অবাবা মুংঙাইবা অনিমক লৈতবা তেংবানবমু মুংঙাইবা লৈত্রবদি অয়াবমু মাংখিবা তাই ; য়াওজা লাম্বা ফংদে।

অহুনা অমরোমদা মুংঙাইবা হাঙ্গবা অসি অৱাবগী মহৈনি। মমৈদা মুংঙাইবা কংনবগীদমক অৱাবা শেম্বনি, পৃথিবীদসু মুংঙাইকম য়ামনা লৈদি হাঙ্গৰগা মাসি অমুক মখল য়ামই। কনানা অমুক মুংখিল তুনা নোমহুনা কংজবা খরা অতুগী মঙোন্দগী হেন্না নংবা অতোনবা মী অমদা খরা খাইবা ঙমলগা মথৱাই মুংঙাইবা ঙমই; কনা অমনা অতোনবা পাম্বে লৈত্ৰবা মী অমগী খয়াংতগী মুন্দুনা চারগা মহাক্কী থল্লবা মপুক অহু ইংনবগী মশক ওই। নিংথৌসু মুংঙাইনবগী-দমক্তা সিংহাসন্দা কন্সি; লাইরবসু মুংঙাইনবগীদমক্তা লোমলি। মহৈ হৈবসু মুংঙাইনবগীদমক্তা চাংজৌ নাইত্ৰবা মহৈগী ঈপাক্তা ঈরোঈরি অসিনচিংবা। অসুম তৌহুনা মী হাঙ্গবা অসিমক্তসু মুংঙাইগনি হাঙ্গবা রাখল অসিগী মখা পোল্লবসু মুংঙাইবা হাঙ্গবা অসিদি অমতা তিন্নদে। মুংঙাইবা মখল অমনা মেরা থাগী অহিংগী থাবল অমদি চন্দন খিকপা লৈরাংগুমনা থম্মোইদা অইংবা পোকহল্লি, অহুগা মখল অমগী মুংঙাইবনা অহানবা থেংনবদা পুকনিং হকচাং পুন্নমকপু শুন্নংলি, মমৈদা লমজাউখোননা চাকপা লম্মৈগী মতৌগুমনা মীগী থম্মোই, পুকনিং, থৱাই অমসুং মমৈ-থংদা হকচাং কাওবা চাকথেক্নুনা মাংহল্লি। হৌজিক্তি তাক্লবসু থংলে করম্বা মুংঙাইবনা পামনকম থোকপগে? মুংঙাইবা মখল অনি অসি থংনা চংপা ঙম্বা মী অহুনা তেংবানবদা মুংঙাইবনি।

খম্বা অমসুং নোংবানগী পাউতাক।

(যথা ধৰ্ম্ম তথা জয়)

ধৰ্ম্মনা মাইপাকলগা মুংঙাইবা অসি মীওইবগী মহৌশাগী ওইবা পুকচেননি মীওইবা হাঙ্গবা অসি পংই, মীওইবনা করি থংকম লৈবগে, তৌইগুম্বসুং থম্মোইগী অথুপ্পদা লোতুনা লৈরবা করিগুম্বা উবা কংত্ৰবা পুকচেন অমগী থৌঙ্গনশিননা মীওইবনা মহৌশাদগী ধৰ্ম্মনা "জয়" ওইরগতা পুকনিংদা মুংঙাইবা পোক্নৈ। ঐখোইনা মাহাকপু পাপ চেনবনি, অমসুং ধৰ্ম্মনী মনম কংত্ৰবন্নি হাঙ্গহুনা নোকনরিবা মীশিং অহুসু ধৰ্ম্মনা মাঙ্গথীবা উরগা মবুক্তা রাদবা ঙমদে। বারিতাবা পনাতাবা মী পুন্নমকনা মাসি মুননা খংলিগনি— যুধিষ্ঠিরদগীসু ঐখোইগী থোইনা কান্নবা লৈতে, দুর্যোধনদগীসু ঐখোইগী থোইনা মহাম তাবা লৈতে; তৌইগুম্বসুং যুধিষ্ঠিরগী ধৰ্ম্মনা মাঙ্গথীবা হক তাবা মতমদা ঐখোইনা— অখংবা, খংদবা, মুপী নহা খাঙ্গদনা, পুকনিংদা রাদবা ঙমদে। অমদি ধৰ্ম্মবু মুংশিবা হাঙ্গবা অসি মীওইবগী মহৌশাগী ওইবা পুকচেননি। অসুমনা পেনা ইশৈদসু— নাংবাননা ঐখোইগী লোন্নী মুক্ষম রাদা থোইদোকপা শোকেলবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং খম্বগী ধৰ্ম্মনা মাঙ্গথীবা মেক উরদা ঐখোইনা কল্লবা ঙমদে। অসুমনা ধৰ্ম্মগী মীচং চংবা, ধৰ্ম্ম চেনবা মীগী নাকনদা তোংবা ধৰ্ম্মনা মাঙ্গথীরগা রাবা ধৰ্ম্মনা জয় ওইরগা হুরাউবসি ঐখোই মীওইবগী মহৌশানি। মাঙ্গি লৈবতনা মীওইবা হাঙ্গবনি; নত্ৰবদি তাইবং মীসু মখোং অনি পানবা সঙকপা

শা অমা ওইরমগদৌবনি। মীওইবনা লৌশিংগী অহানবা মঙাল হেক ফংবদগী হৌজিক ফাওবা মপানা মচাদা, ওজানা পরবানদা গুরুনা শিষ্যদা, ময়াম্বনা মনাওদা, অহুননা অঙাংদা, য়ারী লীবনা ভাবকতা,— যথা ধর্ম্ম তথা জয়ঃ— ধর্ম্মনা লেংদবা উপাননি, ধর্ম্মনা মাঙ্গপাকপা অসি মহৌশানি, ধর্ম্মলৈবা মফমদা কৃষ্ণ লৈ; কৃষ্ণ লৈবা মফমদা জয় ওইবা অসি মহৌশানি হাঙ্গহনা পাউতাক পীনরি। মাসি মীওইবগী লু-তোংদা য়েকশিনবা থাজবা অমনি।

ঐখোইনা অন্থমনা ধর্ম্মনা মাঙ্গপাকপা পাম্মিদি হাঙ্গবনু তৌইগুম্বসুং ধর্ম্মনা জয় ওইবদি খুদক খুদকতা নত্তে— জয়দি ওই তৌইগুম্বসুং মমৈদা মতুং কাইনথংদা। ধর্ম্মগী জয় অসিনা খুদক খুদকতা ওইরবদি ফনা জুগোৎ চাইরমগদবনি। হেক হুরানবগা কুম্ভীপাকতা ওন্থরবদি নিংথৌগী তোঙানবা কৈগুমশং অমা চংদবা য়াগনি, দান হেক তৌবগা অতিয়াদগী মাহুগী শক্রক অনি হেনবা সনা মতুম থাদরকলবদি পৃথিবী অসি সদাব্রতগী শং ওইরমগদবনি। তৌইগুম্বসুং মাহু নত্তে, ধর্ম্মনা জয়দি ওই, তৌইগুম্বসুং মমৈদা, মতুং কাইনথংদনি। অন্থমনা তেংবানবদদি ধর্ম্মগী জয় অসি মফম অয়াম্বদা উবা ফংদে। অতুম ওইনমক ঐখোইনা হাঙ্গনীংই "যথা ধর্ম্ম তথা জয়" পাপনা মীওইবগী মিংতা উফুল চাইবা ঙম্মি, নিংথৌগী মফমদগী নাম্থোকপসু ঙম্মি, মীওইবগী জাৎ পুম্নমকপুসু নমথাক চেৌবা ঙম্মি; মাহু অহানবা মতম থবদংনি তৌইগুম্বসুং মমৈদা শোঙ্গদনা ধর্ম্মগী লাংদা থুরে। ঙসি নত্রবসু হয়েং, হয়েং নত্রবসু হংচিং, মাহুদা নত্রবসু মমৈদা, মতুং কাঙ্গনথংদা। মাসি মীনা শেম্বা অচম্বা বাহে নত্তে; মীওইবনা মহৌশাগী নিয়ম মতুং ইননা ফংলকলবা অরিবা বাহেনি। মাহু নত্রবদি মাসি মীওইবগী য়াথনগী লাংদগী নাম্থোকপা ঙম্মোইদবনি। মীওইবনা মাহাককী মতম কুইনা তানশিল্লকলবা য়াথল অমসুং লৌশিংগী পাঙ্গলনা থংবা ঙমই— পাপনা পাপকী মতিক থোকপা দণ্ডি ফংই— হৌজিক নত্রবসু হোরেন, মতুংদা, কাইনথংদা।

থম্বা থোইবীগী মক ওইবা য়াবু সুংশিবগী শাইওন থম্বা অমসুং থোইবীনা মপোক কয়ারক্তা তোম্নরকলবা সুংশিনবগী লম্মন খুম্নবা লাকনবা— মহৌশাগী হোনবী কাঙ্গদনা, ধর্ম্মগী লবীন— অচুম্বা, ভক্তি, নিয়ম, সুংশিবা পুকচেন তিংবগী পাম্বৈনা— ধর্ম্ম নত্তনা থংত্রবা থোংলেন, চাউবা, ফৈরোইজাম্বগী পাম্বৈনা, মরক্তা নোংবাননা নত্তবা থবক অমসুং পাপকী পনজা খিংহনা থম্বগী ধর্ম্মগী চাং য়েংবা— সুংশিনবগী পাঙ্গলনা য়েথাঙ্গবগী পন পুম্নমক লাম্থোকপা— ধর্ম্মনা জয় ওইবা, জগৎত ধর্ম্মগী পাঙ্গল উংপা— যথা ধর্ম্ম তথা জয়। তৌইগুম্বসুং থম্বা অমসুং নোংবানগী য়ারী তাব মীনা থংই— ধর্ম্মনা জয় ওই— তৌইগুম্বসুং মমৈদা, মতুং কাইনথংদা। থম্বগী ধর্ম্মগী মপুনশিংগী শক্ক অয়াম্বদা ধর্ম্মনা মাঙ্গথীবা উত্নহনা মপুকনিংদা অৱা সুংশি য়াননৈ।— পুরেনবমা— কৈ তরেৎ মমচং ফাবা, লিংথৌনা ঙাংখরৈমা পীবা, মথং মথং থম্বসু অমসুং থম্বা পোকপগা, মাহুগা লোইননা খুমনং ইমুং অহুদা তত্তনা ধর্ম্মনা চাং য়েংবা হোই। থমসুসু থম্বগী মতিকচাবা মচেনি। থম্বসু থময় মতিক চাবা মপ৹নি। কেগে কল্লক চাউই, মোইরাং য়েকনা চাউই— থম্ববু মখেন ফাত্রিবা ম

মপাক খোমজনবা— মজা ইবেম্মা থোইবীনা মতা মিংনাইদরী খমম্নগা চান্নরা মতা শান্নরা থং শেনডৌদা থোইবীগা ইবক শন্নু কাগোননা কুপ্পা পুম্নমক অসিগা মোঙ্গন লোঙ্গননা ধর্ম্ম না জয় ওইরবদি ভোংবানবদা ধর্ম্মগী পাঙ্গতাক পীবা লাঙ্গরমগদবনি। তৌইগুম্নসু ধর্ম্মগী জয় হাঙ্গরা অশিদি খুদক খুদক্কা নত্তে— মমৈদা মতুং কাইনথংদা, রাথন থেনবা মীতনা ধর্ম্মগী মরীদা চিংনবনি। ধর্ম্মগী জয়না খুদক খুদক্কা যংম্নবদি ধর্ম্ম না কদাইনো নত্রগা ধর্ম্মগী মগুণনা কদাইমুখে কাঙ্গদবা হাঙ্গবা অহু রাখল চাউবা স্ত্রী পুরুমক্কা খন্দনা য়েংবনা মতিক ওই। হৈরাঙৈগী বা তাও, কাও কাউগী বা নিংশিংউ। মাত্নদগী খম্নগী চাং য়েংবা হোরে, থোইবীগী পরিক্ষা হোরে। মোইরাং খোগী কৈথেনগী নুজাঙ্গ চেগাঙ্গ মরক্তা শমুখোংদা য়েৎপগী বা তাব্রবদা কন্নানা কপ্পবা ঙম্নগে? চিংখৈগী কত্তবা বা তাম্নবা, মজা ইবেম্মগী তুমু লোইথাবা— প্যাংতা কুমহুনা ইনখোনবা, চৌংদা কাহুনা শীংজনবা— শস্ত্রিক চনিংখোম্বীনা ওংপা তারবদা কনাগুম্বনা ধর্ম্ম না মাঙ্গথীবা উত্নুনা পুকনিং লাংতকনবম্নু য়াই। তৌইগুম্নসুং তপথখো ধর্ম্ম না জয় ওইরুদ্রি মমৈদনি, মতুং কাইনথংদনি। রাগম্নু, মজা ইবেম্মা লোইকারে— শিজনা লোইরোই কারকলে। কাকতাগী মুংশিং নামিরা তপনা শিংলু, নিঙোনবু মোগী শিংদা চনগনি "অধর্ম্ম" গা অমুক থেংনরে। নোংবানগা অমুক মাঙ্গম্নোকনরে। কুগী তেরাখাদা অমুক নোংবাননা অঙোম পাম্বগী অঙৌবা পে খান্দুনা ঙাইরি— অমুক চাং য়েংবা! শক্তিমু কৈগী ময়াদা হক্ষিনবা!! অসুমনা ধর্ম্ম না মখোং মরিগী মরক্তা নামা তেকতুনা খাংলি। তৌইগুম্নসুং ধর্ম্মগী জয়দি শোঙ্গদবনি— হৌজিক নত্রবম্নু হোরেন, কুমশি নত্রবম্নু নোংমৈ, মমৈদা মতুং কাইনথংদা। নীংবু নীংলবদি অতুগা নীংবা অতুনবু চেৎলবদি ঙমনবা পাম্বেম্নু লাকই; নুপীগী পাইরকী লৌশিংনা নোংবানবু মাঙ্গথীহল্লে— মজা ইবেম্মনা লাঙ্গোই শগোল থোরকলে। অঙোম নৈরক্তা চংগ্রে। বারগম্নু হৌজিক্তি কৈবাউ লাকলে, থম্বা নোংবান অনিগী মরক্তা মনুং মনুংদা শোকনরকলিবা মুংঙাইত্তবা য়েংথীনবগী লানকম জাসি হন্দক লোইরগনি। ধর্ম্ম না জয় ওইরগনি— মতুং কাইনথংদা ধর্ম্ম না মাঙ্গ পাকলগনি। খম্বনা ধর্ম্মগী 'পরিক্ষা' পুম্নমক ঙম্নলে, ধর্ম্ম না জয় ওইরগানি। মৈহুম মোরক থুংলরে, কৈবাউ লাকলে— খম্বা নোংবান; চংলো, নিপা থোদাং য়েংনরো— ধর্ম্মগী থোম্নাং য়েংনরো। তৌইগুম্নসুং অচম্বা কৈ নত্তে, মপোক মপোক নোংবানগী লমন খুমগে লাকনরকলবনি— ধর্ম্মগী কৈনি।— ধর্ম্ম কাঙ্গগম্নু নবুথৌ থাংজিংগী বায়েন য়েংনরো, ধর্ম্ম কাঙ্গগম্নু— লাইগী কৈনি।— যথা ধর্ম্ম তথা জয়। কংলা পুংজাও থীরে— মোইরাং প্রজা পুম্নমক লোইরেম্ভাক্তা তিরে— খম্বা নোংবান। চংলো। ধর্ম্মগী পরিক্ষা তৌনরো, ধর্ম্মগী চাং য়েংনরো। কৈবু কিদবা কনা লাওবগে? কোংয়াম্বনা থৈ। তৌইগুম্নসুং কৈনা থিহুনা উনৈ। খম্বনা থি কৈমা থৈহুনা চেলি। ধর্ম্ম অম্নাংদা উনবা ঙমদ্রে। ধর্ম্ম চেনবগী ওনথোকপা পুকচেননি! নোংবাননা খম্বনা কৈ থেংনম্নু খম্বনা হাননা শিসম্নু কৈগী পাজল নৈথেকসম্নু হাঙ্গহুনা খুঙম য়েংই। খম্বনা কব্রি খলি— উত্তাও থোকনি, থৈমা হাননা থেংনগে। মীচা শিসম্নু নীংলগা ইচা হাননা শি। যথা ধর্ম্মগী জয়দি শোঙ্গদবনি— য়ারকপা কুইরে অমুক বারগম্নু, যথা ধর্ম্ম তথা জয়।

ধর্ম্ম কাঙ্গিরগনু— নোংবানগা পাম্বাগী থেংনরে।" চংঙো, ঈতাওগী তাবকংঙোন্ন কবমা, পাংলবা নোংবান নত্তে।" কৈগী মতিক থোকপা লামকম থেংনরে।" মোইরাংনু খঙোই পাদবা, তাং নত্রেং লৈবাক মচাশা, হৌজিক্কি নারক নমত্থুনা চংলো, মোইরাংচানু মাংখকে, খুমনচানু শিকখে; অরাবদি— খম্বগা থেংনরুরবদদি নোংবানদি লোইরমলে। খম্বনা পাম্বা কৈ অহনু, তানথোকুনা মতাওবু তম্পাকতা পমখংলে। নোংবাননা খম্বদা মাহাক্কী অরানবা পুন্নমক ওরুপিদু, হাঙ্গদুনা নিজরকই। "ইতাও! কৈগী হুনা নতাওগী থবাই খাবা তারে; ঈশিং খুজোক অমত্তম থকপা ফংলবদি শিরবনু মুংঙাইগদবনি। তৌইগুম্বনুং ইতাও। শামুখোং য়েংগা, কাও কাউগী মা খমুংদা নোংবাননা খম্বদগী ঈশিং ফংখম থোকতে।" অসি তারবতদা পুন্নমক্কা নোংবানবু মুংশিবা ঙমখে— মরমদি নোংবানগী মরান চুমমে ধর্ম্মগী মুংশিবা খংলে। খংলবনু খংম্রকনু ধর্ম্মবু মুংশিবা হাঙ্গখ্রেসি মীওইবগী মহৌশাগী ওইবা পুকচেননি। আঙোম মচা অথোবা রাগন্ন— খম্বনু ধর্ম্মবু কিবা মীনি; থবাই পেননা ঈশিংগী খুজোক থকলো। অসুমনা লৈবাক মীয়াম চংহুনা নোংবানবু ঙাইকননরে; খুমন অমুদোন নোংয়াই শাজৌবা। চংলো। পুকচেন চাউবা মোইরাং লভানা খাহন্নি চুম্মি— মোইরাংগী মাঙ্গরোং অনিবু কৌরো শীংবুম অমতদা মাংশিন্নগদবদি কননকই। তৌইগুম্বহুং পৃথিবীনা ধর্ম্মগী জয়গী মরমদা চিংনরগনি। নবাই তাবাংবা য়াগন্ন। চংলো। হন্নক য়েংলশি— যথা ধর্ম্ম তথা জয়। মাক্তনন্ন ওকত্রি, ধর্ম্মগী মগুণ চাউহল্লু। মোইরাং থোংলেম অথোবা। থোংলেন রাইনা লাও—"হা নোংযাই শাজৌবা! নপা ইতাও পুরেনবদি কৈ তরেং নমহুনা কাই। নংদি কৈ মচা অমতং ফাবদা থুংলাই পাইরিব্রা।" থোংলেননা হাঙ্গবনু লান্দে চাগী মগুণ চাওখংহনবিংবসি মহৌশানি। নোংবান চাউবনা চোংথোকই— "পারি ইবুংঙো! নপাগী বা তারুগনু, কনানা কৈবু চংনা নমহুনা কাবা ওগ্বগে?" চাওবনা হাঙ্গবনু চুমই, মুংশিবা মীবু কনানা মাংহনলিংবা য়াওবগে? খম্বা থোংলেনগী বা তাও! ধর্ম্মগী মগুণ চাউহল্লু। ধর্ম্মনা নংগী থুংলাইন্নি, কিগনু "যথা ধর্ম্ম তথা জয়"। খম্বা চংলে, পাম্বা কৈ অত্তু পনগী অকোইবা থুংনা চেল্লে— ধর্ম্মগী মাংদা কনামা খাংগনি— খম্বনা কৈ নমলে; মবাই ফৈরোইজাম্বা, চংলো, নংশেনগী তাবীংঙো। "মোইরাং নিংথৌ পুন্সিংলাই; মনাও ইবুংঙো যুবরাজ মজা ইবেম্মা কংলো, খম্বনা জয় ওইরে। ধর্ম্মনা জয় ওইরে।"

অসি য়ৌরবতদা পৈনাগী ভাবুক পুন্নমক্কা মুংশা শোয় হমখে। অসুম কুইবা অসি ধর্ম্ম নওবদা চংলকলে, মতুং কাইনথং অসিদা মাহাক্কী পাপকী মতিক ওকপা মহে চাবা তরবতদা ক্বাইনা পোসরি। খম্বদা মাহাক্কী মতিক চাবগী মনাগী মশক ওইমা 'মোইরাং থোইবী' পীকা, থোংলেননা থোইবী মরোল মরোল তানবা, মাহাক্না মীখো থুংজিবমখে মনা নিবা। পুন্নমক তামবাক্তা ঙাবোকং লিংমা অরাবা— মতম কুইনা তাবদা মুংঙাইরতুবা পুন্নমক লোকচীং; ধর্ম্ম চেনরশিংগী থমোই চাঙ্গবা অসি ওৎহোক্কিপনি। অসুমনা 'নোংবান মাংগ্রকপা খবনা মুংঙাইবা ওরকে।— নোংবানগী মচম' তালোই মওানা মৈপুরোইবগী লমজিং খুরুপ লাকপা অমা থবকনা মিংলুনা পি লিন্নমনা ওরকে।

কসি কৌরবদা খবা অমসুং ওয়াং থোকনবা মরমদা — যথা ধর্ম্ম তথা জয় — ধর্ম্মনা জয় ওই। ধর্ম্মনা লংবা উপায়নসি হাঙবা অদু থংহনা মীনা ধর্ম্মবু প্রয়োইগী লাইশঙদা ঈরাংখি। মাসি পুথিবীগী লংঙাইবনি। অমাংবা নাইবা মুর্ত্তাইবনি। কাহুনগী কেনা মুংঙাইবা অমসুং কেনা ফাইবা খুত্তম থোই হিন্দুগীসি লাইরেবাক্কনি৷ যথা নোংখোনগী মাতম্ম নত্তে কৌরব পাণ্ডবশু নত্তে। ঐখোইনা পুথমক্তা অমুক হেনবা মুংঙাইবা খাঙদ্রবা তৌদ্রবা ওয়াথোকপগী ঈপাক অসি অমোকপা ওমনরি৷ সিগী মীংথিবা কবকা মুংঙাইবা অাইরা পুথমক অংগী খাকতুনা থকসি — যথা ধর্ম্ম তথা জয় ধর্ম্মগী মরীদা হিন্দুনা অাংপা লৈদ্রা?

হরিশ্চন্দ্র অমসুং শৈব্যা।

হরিশ্চন্দ্র মহারাজ অমসুং শৈব্যা মহারাণীগী বারী তারবদি মাহুনা ঐখোইদা বারীগী ওইথোকবা লংঙাইবা পীবি হাঙবদা নত্তে পীনহৈবা৷ রাশক চেৎপা অমসুং মপুরোইবা নীংবগী অঙকপা, দমচিংবা উৎতুনা ঐখোইবু মীওইবগী লম্বীদা অমুক চংশিন্নবা পাউতাক পীবি। ভারতকী মিংকী মশক ওইরবা কবি বাল্মীকিগী অমৃতগী মশক ওইরবা কলমদগী চেশ্নরকুনা মাসিনা ভারতকী অমসুং ভারত্তা লৈবা মীশিংগী অদুদগী হেন্দোকুনা ভারতকী লাম্নদা চিদাই অসি ফাওবদা বদাইমখৈ তম্নবা তৌরিবা অমসুং কদাইমখৈ লানরিবা ওন্না, হাঙবদু রাখল চাউবা মী পুথমক্তা থভিঙ। লৌকিকী হরিশ্চন্দ্র নিংথৌগী পীনরদা হালেংবা৷ অঙকপগী মশক ওইবা রাশক চেৎপা৷ শৈব্যা মহারাণীগী ওইথোকবা মপুরোইবা নিংবগী বারী অসি তেংবানবদা অমসুং তেংবানবা অপুবগী সাহিত্য চাইরিকতদু অতাংবনি।

মহারাজ হরিশ্চন্দ্র হাঙবা অসি অযোধ্যা লৈবাকী নিংথৌনি৷ মহাকী ওইথোকবা পীনহৈবা অমসুং রাশক চেৎপগীদমক ভারত্তা মমিং চৎলম্মি। করিগুম্বা মরম অমদগী বিশ্বামিত্র মুনিনা শাওবা পোকুনা হরিশ্চন্দ্রদা সনা কৈোনুংগা ল্লোইনবা লৈবাক অপুম্বা নিরমই। পাম্মুবা লৈত্রবা নিংথৌনা মুনিদা মপুকনিংদা অমকপা লৈতনা লৈবাক অপুম্বা কথোক্লে। কৎপা ল্লোইরবদা মুনিনা কিনা নিরকলে। তৌইওমসুং হৌজিক্তি হরিশ্চন্দ্রগীনি হাঙনিঙাই পোৎ লৈত্রে। মরম অদুনা নিদা থা অমগী মতম লিরদুনা কোনুং মসুংদা মহারাণীদা তমগে হাঙদুনা চংলক্লে। ওনথোকপনি। নকুপ মঙ্গালংগী মরাংদা অযোধ্যাগী নিংথৌরেননি হাঙদুনা নিংথৌরেনগী সিংহাসনদা ফমলমলিবা হরিশ্চন্দ্রনা হৌজিক লদ্রেম্বা চৎপা চাক্তিবদগীসু হেন্না তৌরে৷ হরিশ্চন্দ্র হাঙনিঙাই লৈত্রে। তেংবানবদা মপুরোইবা হাঙবা অসি মপীগী লাইনি ; মপুরোইবগী ধর্ম্মগী খুদংইনবা অমসুং মপুরোইবগী

ধর্ম্মগী লীচং পুন্নমক্তা তেংবাংবা হাঙবা আদ সুপীগী তৌগদবমকনি হাঙবা অসি শৈব্যা মহারাণীনা ঐখোইগী ইমাংদা অরংবা খুদম অমা উৎতুনা থম্বিবমলে। শৈব্যা মহারাণীনা পুক্নিং অরাবা লৈত্তমা মপুরোইবগী ধর্ম্মগী থবক্তা, রাশক ভাকপগী থবক্তা মপুরোইববু থৌরংতুনা সুপীগী হৈবোবী ওয়েক হাঙতুনা লেরে। নিংথৌ মহারাণী অসিমক মচা রোহিতাশ্ববু পুরুহনা বারানসী তম্না লাম্দোরকলে। মফম অদুদা মুনিনা হনবা হমনা দক্ষিনা তাম্নরবদা হরিশ্চন্দ্রগী তৌনঙাই লৈতবা মতৌ উরতুনা শৈব্যা মহারাণীনা হাঙরকই "মহারাজ! সুপী হাঙবা অসিদি মপুরোইবগী সুংঙাই য়াইফবগী শরুক ফংবদা নত্তনা অরাবগী শরুক ফংকম থোকই; মহারাজনা ননাই ঐহাকপু য়োনবিরগা ফংবা শেল অদুনা মুনিগী দক্ষিনা কৎপিয়ো। মপুরোইবগী সুংঙাইবদা হরাওবা, অরাবদা অরাবগী শরুক য়াওবনা সুপী ঐখোইগী সুংঙাইবনি।" হরিশ্চন্দ্রনা মাহু তারবদা অরাবগী ঈচেল অদু খাম্বা ঙমদতুনা মিৎলু অনিদা শিনথরকঈ অমসুং সজীংনা কীনথরক্লুনা ননবগুম্বা অরাবা বাহৈ অদু তাতুনা পুকনিংদা অরাবগী মৈনা চাকলবসু অতোপ্পা পার্থে অমা লৈত্রবা মরমনা ধর্ম্মগীদমক, রাশক ভাকনবগীদমক পীনহৈবগী নিংথিবা খুদম তেংবানবদা উৎনবগীদমক মথরাইদগী হেননা সুংশিরবী মহারাণীবু কাশীগী ব্রাহ্মণ অমদা য়োরে। মাতুনসু মুনিগী দক্ষিনা কোম্লদতুনা মশামকপু পোৎলোই-ফমগী চণ্ডাল অমদা য়োন্দুনা দক্ষিনা কৎখি। পীনহৈবগী অঙকপা খুদমনি।

অসুমনা শৈব্যানা বামোনগী ময়ুমদা মীনাই সুপীগী থবক তৌতুনা লৈখি; হরিশ্চন্দ্রনা গংগাগী তোর্বানদা পোৎলোইবগী থবক তৌতুনা লৈরে। মতম খরা হৌরবদা নোংমা রোহিতাশ্বনা ব্রাহ্মণ অদুগী লৈ থিনবগীদমক উমংদা চৎখিরম্মী। থংহৌদনা রোহিতাশ্ববু লিন অমনা চিকুনা শিরে। ওনথোকপনি! অসুমনা অরাবদা তাতুনা লৈরবা অসিদা মচাগী নিংথিবা মাঙথোং অদু উতুনা অরাবা কোঙাই অমা কাওনরম্মী; মসুংদা অরাবগী মৈনা মৈরিং চামা খোকনা চাকলবসু সুংশিরবা মচা অমতং মপুরোইবগী সুংশিবগী খুদম ওইনা লৈবত্তনা অরাবগী মৈ অদু লেম্লরম্মী। অদুগুম্বা মচা অদুবুসু লাইনা লৌশিনবিরবদা শৈব্যাগী থমোইদা করম্না অরাবগী ঈচেল অদু খাম্বা ঙমদ্রবা ঈরৈগা লোইননা চেল্লিগবা হাঙবদু হাঙতুনবু অরেম্বনি। শৈব্যানা মচাবু কোম্লতুনা অরা তেংথারোন শরুপা অদু তারবদি কল্লবা সুং য়োনা পেৎকনি। ওন্থোকপনি! অরাবা হাঙবা অসি বিধিগী হৌনবী মতুংইন্না নাইতোম লাকতে। মপুরোইবা খাইনবগী মৈ মুত্রিত্তেদো মচ কাঙনবগী অরাবা অমুক লাক্লুনা তিল্লরে। সুপী ওইবগী মপোক্তা অসিদগী হেন্না রাবা অমুং করি লৈরিবগে? শৈব্যানা রাবনা অচুম্বনি। রোহিতাশ্ববু চিকপা লিল অদুমক্তা চিক্লুনা শিগনি হাঙতুনসু শৈব্যানা মথরাই পাম্লবা লৈরোই, করিনা— অসিগুম্বা অরাবদা তাতুনা লৈরিব সুপীনা মথরাইদগী হেন্না সুংশিরবা মচা কাইনবা তারবদা য়ারবদি চংশিন্দুনা অশিববু কোম্লিংদব কনা য়াওবগে? শৈব্যানা কপ্পদা অরানবা লৈতে।— লৈপাক অমগী মবেম্বা ওইতুনা লৈরমলিবা নোংমতং খুয়া লৈপাক তাবদা তিংখং নেৎপগুম থম্নমলিবা, অমুক্তী মেংলবা সুমিৎকী মঙাল্লা য়েবদা লৈরাংগুমনা থোংলবা মাঙথোং অদুদা হুমাংগী মরিকনা শিনথবা শৈব্যা মহারাণীগী বাদি

থমগ্রো, অসিগুমনা মপুরোইবা থাইনবগী অবাবা ঈচেননা থমোই থুঙ্কংতুনা লৈরিঙৈ মতম অসিদা অমুক মচা থাইনবগী অবাবা ঈচেন অমসু লাক্লুনা তিল্লরবদা, করম্বা মুপীগী অথোংপা থমোইনা খাংবা ঙমগনি ? সনজোং নিংথাইহুনা নন্দুনা শিরবদি শৈব্যাগী মুংঙাইবা নত্তনা অবাবা ওইরোই অবাবগী ঈপাক্তা তারবদা মাহুদগী হেন্না ৱাবা অমা নত্তনা অবাবা কোকপিনিঙাই লৈতে। পৃথিবীনা চামা থোকনা চেকথাইহুনা শৈব্যাবু লৌশিনবিরবদা শৈব্যাগী মুংঙাইবা নত্তনা অবাবা ওইরোই। মরমদি—অসুমনা অবাবদা তারবদা মীওইবনা অশিববু কৌবা নত্তনা, অশিবগী মুংঙাইবা ৱাথল তৌবা নত্তনা করমনা অবাবগী মৈনা চাকলবা থমোইবু ইংহনবা ঙম্বগে ?

অসুমনা মতম থরা তেংথারগা মহারাণী শৈব্যানা ব্রাহ্মণগী য়াথং মতুং ইন্না বারানসীগী পোৎলোইফম গঙ্গাগী তোর্ব্বান তাননা চৎখিরম্মী। লাইগী নোংদম হাঙবা অসি অঙকপনি; —হরিশ্চন্দ্রসু শৈব্যানা তমলকলিবা তোর্ব্বান অহুদা লৈরমলে। শৈব্যানা হরিশ্চন্দ্রদা মচাগী সংস্কারগী দমক হম্না হম্না হাঙজরকই। অমসুং মরক মরক্তা মচা রোহিতাশ্ব অমসুং মপুরোইববু কৌরহুনা কপ্পা তাবদা গঙ্গামক ঈচেন হঙৎনা চেনথি। অসি পুন্নমক তারবদা হরিশ্চন্দ্র নিংথৌনা মমাংগী ৱারী পুন্নমক মথং মথং নিংশিংলক্লুনা শৈব্যাবু খংবা ঙমলে নিংথৌ মহারাণী অনিমক মফম অহুদা মতম থরা কপমিন্নববা মতুংদা মচাগী শীং অহুদা শিমিন্নগনি হাঙহুনা লেপনরে।

ঙাইখো, হরিশ্চন্দ্র মহারাজ। ৱাশক চেংপগী, পুকচেনমাংবা লৈতনা দান তৌবগী চাংয়েংবা অসিদা লোমলে। মীগী মতম হাঙবা অসি মান্নানা চত্তে; অমুক ৱাবা অমুক মুংঙাইবা মীগী পথাপনি। ঙাইখো, ধর্ম্মনা জয় ওই হাঙবা অসিনা চুমলবদি মাহুগী মতিক চাবা মতম ওইবকলে। তেংবানবদা পীনহৈবনা কন্নিগুম্বা কান্নবা লৈরবদি মাহু উৎনবা মতম ওইরকলে। ৱাশক ঙাকপা ঙম্বগী, পীনহৈবগী ওইথোক্কবা মশাগী কান্নবা, মশাগী ওইজবা, মশাগী মুংঙাইবা থাদোকপা ঙম্বগী চাংয়েংবা অসিদা লোইরে। ঙাইখো, মুংশিরবা নচা রোহিতাশ্ব শিরোই। মতমগী অকিবগী মশক ওইরবা পাঙ্গল অহু ধর্ম্মগী মুফমদদি কান্নরোই। হিংলিঙৈদসু পৃথিবীগী মুংঙাই য়াইফবা অপুম্বনা মহাবাজবু ঙাইহুনা লৈরি; শিরবসু লাইরৈবাক্তা স্বর্গগী মুংঙাইবা অপুম্বা মহারাজগী থাক্লুনা থমলি।

অসুম তৌরিঙৈগী মতম অসিদা বিশ্বামিত্র মুনিনা হরিশ্চন্দ্র মহারাজগী খুজেং পাইহুনা থামলে। মচা রোহিতাশ্ববু মুনিগী লাইগী মশক ওইরবা মন্ত্রগী পাঙ্গলনা হিংঙৎহন্দুনা হাঙরকই, "মহারাজ ঙসি পীনহৈবগী, ৱাশক চেংপগী চাংয়েংবা লোইরে; অযোধ্যাদা অমুক লেংহুনা সমজন্না কোঙরবী পৃথিবীগী নিংথৌ ওইহুনা পানবিরুরো। হরিশ্চন্দ্র মহারাজ! মহারাজগুমনা পীনহৈবা নিংথৌদি মমাংদসু থোকখিদ্রি, মতুংদসু লাকলরোই। ঙসি মাদগী চাংয়েংবা লোইরে। পুকনিংদা মাদগী অওইবা খংলে—লাইনা শিল্লকপা থবক পুন্নমক মতোল লোম্নলে; অযোধ্যাদা লেংবিরো।"

থৌজান

মীওইবা হাঙবা অসিমক্তবু মহৌশানা মশাগী কান্নবা থিবা জীবনি। মাহাকনা মশাগী মীওইবা হাঙবা অসিমক্তবু মহৌশানা মশাগী কান্নবা থিবা জীবনি। মাহাকনা মশাগী নত্তনা অতৈ থংদে, মশাগী নত্তনা অতৈগী মরা থিরবা ঙমদে। মাসিদা মহাকী দোষমু লৈতে ; মরমদি মশাগী কান্নবা থিবা হাঙবা অসি জীব পুম্নমকীদমক থাদোকপা য়াত্রবা ধর্মনি। মাসি মীওইবগী মতৌগুমনা জীব অতৈগীমু লৈবা ঙাক্তনি।— মশাগী কান্নবা রাখনবু থাদোকলবদি মীওইবগী মতৌগুমনা জীব অতৈগীমু লৈবা ঙাক্তনি।— মশাগী কান্নবা রাখনবু থাদোকলবদি মীওইবগী মতৌগুমনা জীব অতৈগীমু লৈবা ঙাক্তনি।

মাহাকী চংনফম লৈতে। তৌইগুম্বসুং মীওইবদি মশাগী রাখনগা লোইন লোইননা মীগীদমকসু অথোই অহেন নাইনা থলি। মাসি মীওইবনা মহৌশানা পীবিরমলবা লননি। নংনা মীগী শরুক অত্থ মমছুনা চারবদি মাত্থ থৌজানগী থবক নংতে ; নারককী কৈনু লামলবদি অত্থমনা তৌই। তৌইগুম্বসুং নংনা নংগী চানবা অত্থমকত্তগী নঙোন্দগী হেমা লামলবা কনাগুম্বা অমদা পীজত্থনা মশানা থরা অম্রাবা থাংলবদি নহাক থৌজান হৈবা মীনি। নংনা নশাগী অরা মুংঙাইবগী অথীদা চংথুনা নশাগীদমক রুপলিবা, নশাগীদমক নোকলিবা অদ, থৌজান নত্তে। মাদদি তেংবানবদা লেংলিপাল্লিবা জীব লিশিং লিশিংনা মশাগী মুংঙাইবা থিবদা থরাই মাংনরিবশিং অদগী মরক্তা নহাকসু অমনি হাঙবা থংনবত্তনি।

তৌইগুম্বসুং নহাকনা মীগী মুংঙাইনবগীদমক নশাগী কোঙাই অমা থাদোক্লুনা মীগীদমক কপ্পিরবা, মীগীদমক নোকপিরবদি নহাক থৌজান হৈবনি হাঙদনা থাগৎনবা য়াই। মীওইবগী জীব অতৈগা খেনবদি অসিদনি। অওইবমক মীওইবনা জীব অতৈ অতৈদগী হেন্দোকলিবা পুকচেল পুম্নমকী মরক্তা থৌজান হাঙবা অসি অথোইবা অমনি। এবু মুংশিবা মী অত্থবু এমা মুংশিবা ঙমই এগী ইচা, এগী ইপা ইমাবু এনা মুংশি, তৌইগুম্বসুং এনা অদ, নত্তবা অতৈবুদি কররিগী মুংশিরগনি মশক ফজবা, মগুণ চেনবা মীবু নংনা লুনা তৌই ; তৌইগুম্বসুং মিংকী, পুকনিংগী গুঙ্কৎনব করিসু লৈতবা মফম অদদা নংনা মুংশিরবা ঙম্বা ? মচং ফজবা, মরল মথুম লৈবা মী অদদ লৈহিথিবা খোইমুগুমনা মীনা কুপী কালেন খাঙদনা ইল্লি ; তৌইগুম্বসুং শোকঙিংরবা, অরাবং ইপাকত্তগী মকোক থাঙৎনবা উপায় লৈত্রবা মী অদদা কনানা মুংশিবগী চিরোল তৌরবা ঙম্বগে ?

থৌজানগী থবকা মিংচৎ পাম্বগী থবকসু খেন্নবা লৈ। মরমদি মিংচৎ পাম্বা হাঙবা অসিদি মশাগী ওইজকতা থিবা মী থরদংগী ধর্মনি ; অত্থগা থৌজান হাঙবা অসিনা তেংবানবগী অচৌ অপিক খাঙজনা মী পুম্নমকী ধর্মনি। এখোইনা থৌজানগী অওইবা মরম থিগে হাঙরবদা থরদং কাথংতুনা য়েংদবা য়াদে। পীনহৈবগী অহোবা পুখোল তারগা এখোইনা থকংনিংদে। মরমদি পীনবগী মুংশিবা খোঙ্গেল য়াওবনা খোঙ্গেল অত্থনা মীগী পুকনিং গুঙ্কৎপমথৈ ঙমই ; তৌইগুম্বসুং মাত্থদা অরাবদা তারবা মীগী অরাবা কোকনবা মুংশিবা খোঙ্গেল য়াওবরা অমসুং খোঙ্গেল অত্থ থমোইগী খোংলিদগী

থাঙ্জেশেংনা থোঙ্খপামল্লা হাঙ্ঈহুনা য়েংনিংঈ'ও নত্রবদি মাহু থাগথনফম য়েৌব্রবমকস্থ থোজানগী থাঙ্জেশেংবা থবক নত্তে। অথোংশা মাইহে অনি অরিনং তারগা, মরম লৈত্তবা মিংকী পি উরগা অমদি অর্থ য়াওনবা চুংশাশেংস মপী তারক্সহ ঐথোইনা মিপাইরুবা ওমদে। মহাক্কী মুংশিহৈবগী মতৌ অহু উবগা ঐথোইনা থাগত্তবদি ওমদে। তৌইগুমহ্নং মীগী অমাবা উরগা মহাক্কী থমোইদা লোৎহুনা লেরিবা থৌজালগী অওইবা রাথল অহু কোংলোকপরা মহাক্কী থন্নাই অহু মাগী অবারমক্তনা মরাঈ পুকপরা হাঙ্ঈহুনা ঐথোইনা য়েংনিংঙি। নত্রবদি মাহুনা তাইবং মীনোক চংগদবদগীদি কোকইদি হাঙ্ঈববু মাহু থৌজানগী থাঙ্জেশেংবা থবক্তি নত্তে। পীরগতা পীনহৈবা কপ্পগতা মুংশিহৈবা হাঙ্ঈবস্থ ঐথোইনা য়ানিংদে। য়োইহেনবা তালিবী শানৌশিংনা শকয়েং মিংশেন্দা মশাগী নিংথিজরতা চেপনা চেপনা য়েংবগুমনা, থাবন ফরবা অহিংনা মশাগী গুংঙাইবদা মশানা নোকচবগুমনা, নারককী মুংশিংনা মশাগী বাবদা মশানা কপচবগুমনা থৌজাল হৈবা মীনা মশাগী রাথন্তদা মশা লুপ্তহুনা লৈ। কনানা পাবি হাঙ্ঈগনি— থাগৎকত্রা, মিংদা থীগত্রা হাঙ্ঈবদা মাথোইনা থৌশারুবা তৌদে। তাইবং মীনাক, মীনা ইকাই খুম্নবা, অরাবা মুংঙাইবা পুমনমক অসি মাঙোন্দদি কাকনা থোংবদগী হেন্না নংঙবা তৌদে। মপান্দা ফনা কনবা মী ওইহুনস্থ মাহাক্কী থমোইদি কালেনগী নৌনা শাৎপা লবাংগুম্বনি মাহাক্কী রাথন্দি তেংবানবগী বান্নবগী মশকনি। ধর্ম্ম হাঙ্ঈবা অসি মাঙোন্দদি থাইনা লুবা নত্রে। লৈপাক লৈমা অসিনা মাহাক্কী খুয়াগী উথুল তাবা মরমনা মীওইবনা লবদা মত্তিক চাবা লম ওইরিবনি, নত্রবদি মাসি নরক্কী মশক ওইগদবনি। মাহাকনা ভাংবা বমনা মীওইবগী লোন্ন অসিনা অবা মুংঙাইবগী মতমদা মীওইবগী থবাইবু ইংথল্লি; নিংবা বাঙ্ঈবা মনদা অশৌবা আশা পীবিরি। অহু নত্রবদি মুংশিনবা লৈত্রবা লমদম অসিদা হিংহুনা পানবা পবাইদৌবনি। অওইবমক থৌজাল হাঙ্ঈবসিদি মশাগী ওইজবগা মরী থোকপা লৈতে। মিংচৎ, কাই খুমনবা হাঙ্ঈবা অসিদি মাহাক্লা তৌজবা থৌজানগী থবক অহুগী মতুং ইনবনি। লুবাক্তা ৱাপ্পা কেতুকীবু মিংনা উবমক কংত্রবস্থ মাগী মুংশিবা মনম অহু ফাওই। ওলাংথাদা তোর্বান্দা মস্থদা মুংশিংনা শিৎপস্থ উদে; ঈরৈদা ঈথক্কী জগোই, উনানা লেংবা য়ৌনা উবা কংদে; পৈইগুমবস্থং নামিবা মুংশিং অহুনা য়েরবদি হকচাংদা অইংবা পোকই; থৌজাল হাঙ্ঈবা অসিস্থ মযাম্বদি অহুগুম্বনি। কনাগী থৌঈনশিন য়াওদনা, মশাগী কান্নবগী পাওতাক লৌরুদনা, অরাবগী অরাবা হেক উবদা, অনংবগী অনংবা হেক থেংনবদা থৌজাম্না মীওইবগী থমোইগী লোকতগী চস্থবকই। গোমুখীগী মচিন্দগী গঙ্গাগী জোরৈনা হুস্তরক্রবদা লমথাংদা যমুনা, সরস্বতীনচিংবা পুরেনগা তিন্নহুনা ঈরেন ফাবগুমনা। থৌজানস্থ মীওইবগী থমোইগী লোকতগী চেস্থরক্তুনা মমৈদা মুংশিবা ভক্তিনচিংবগা তিন্নহুনা তেংবানবগী মুংশিবগী ঈপাক্তা তারে। অওইবমক মাগী ঈরৈ, থচন, ঈথিন ফংবত্রনা তাইবংপানবদা মীওইবনা পানবা য়াবনি।

অরাবা মীগী অরাবা তেংথারোন তারগা থৌজানগী মিংলুদা পিগী চহুম শিন্নবা উই; অনংবা মীগী অনংবা মতৌ অহু উরগস্থ থৌজানগী থমোইদা অরাবা পোক্তবা ওমদে হাঙ্ঈবস্থ

তুম্মি। তৌইগুম্বসুং অদু গুইরবদি থোজাননী পুকচেল অসিনা মীগী ঙুংঙাইবা, মীগী অক্লবা উরগা ঙুংঙাইতবরা, কক্লকউবরা ? মিহোৎপবরা হায়বসু য়াই। মাদু নত্তে। মাদু তৌরবদি থোজাননা মশাবু অরানবা লীঙলা চাদি। কয়াতনা থোজাননী মশিন্নি হায়বা চুমদে। থোজানসু ঙুংঙাইরবা ঐ। মীগী ঙুংঙাইবা উরগা থোজাননী থমোইসু ঙুংঙাইবনা মকা ফাল্লি অমসুং মতম চাবা য়েংলা বাইহে অদি অদিদং ভাংলনা মীগী পুকনিং থোগৎপসু হৈ। অদুগা মাদিনা অকনবগী পুকচেলগা মরী থোকপা লৈতে হায়বসু লাল্লি; কপা হায়বা অসি মুপীগী ধর্মনি হায়বা অসি য়াদিনিংদে; মাসি ঐখোইষ মীনা খংনবসু পৃথিবীগী মমাংগী ৱারিগী লাইরিক অপুনবা সাক্ষী ওইরি। মরৈবাক ঙুংশিন্নবা রাণা প্রতাপসিংহনা চিতোরদা মুসলমাননী লানগুম ফীরাল থেংপা উরগা খংহৌদনা মিঙঙী পি শিন্থখি। তৌইগুম্বসুং প্রতাপকী থমোইদদি অকনবগী মৈনা চাকতুনা লৈ, মরৈপাক্কী অৱাবা মতৌ অদু উরগা মহাত্মা থোজাননী পি শিন্দবা ওমদে। লানদা মাঙখীরবা পুরু নিংথৌনা আলেকজেন্দারগী মমাংদা নিংথৌগী মতিক ওকপা নাপল তৌরবদা আলেকজেন্দারনা অতৈ পুমনমক তোক্লনা থোজাননী থবক তৌদবা ওমদে। অওইবমক অকনবগী থমোইসু থোজানা মপুং ফাহল্লি। অথৌবগী মিংকী পিনা চোল্লিবা লৈবাক অতুদি অমরোমদা ফনা চাওখৎতুনসু মাহাক্কী করি ঙুংঙাইকম লৈবগে ?

খন্দুনা য়েংলুরবদি পৃথিবীগী ধর্ম অপুম্বগী মরু ওইবা মস্তসু থোজান্নি। খ্রীষ্ট ধর্মগী অচৌবা গুরু পুম্নমক্লা অতৈ অমমক য়াত্রবসু থোজাননী অমৃত থক্লুনা মীগীদমক কপ্লিবা মীগীদমক নোকপিবা অসি মীওইবগী মপোক অসিদা মিংনা উবা স্বর্গনি হায়রি। অসিগুমলুনা পৃথিদা মমিং চৎলবা বৌদ্ধ ধর্মসু থোজাননী মথক্তা ভাক্তনি। ঐখোইগী ধর্মগী থৌরম পুমনমকসু অয়াম্বদি থোজাননী মথক্তনি। অওইবমক থোজাননী থবক অসি লৈত্রবদা পৃথিবী অসি মীওইবনা লৈবদা মতিক চারোইদৌবনি। ধর্মচেনবা ধর্ম খংবা মী পুম্নমক্কী অশিংবা লৌশিং, অঙকপা মতিক মগুণ অপুম্বা অসি থোজাননা তিন্নরুবা মরমতনা অহিংসী থাবনগুম্লা জীবগী অৱাবা কাকহন্দুনা অরানখুভম ফংনবগী লম্বীদা চিংশিনবিরিবনি।

৪ মোইরাং থোইবী।

মোইরাং থোইবী হায়বা অসি মৈতৈ ৱাহৈদা, মৈতৈ ইশৈদা তুংদা লাককলৌরিবা মৈতৈ লাইরিকতা লৈখেৎ অমনি। ফজবগী পান্দমনবদা মোইরাং থোইবীগুম্মি হায়রগা মৈতৈ মুপীগী পুকনিংদা ঙুংঙাইবা পোকনরি। মরমদি ঐখোইনা তাই, মোইরাং থোইবী হায়বা অসি ফজবগী কিরম্ফমনি। অক্লবা ঈশিংদা শাৎপা থম্বাল হায়বা অসি মীগী পুকনিং ফুনবগী মশকনি। মতম অতুগী কেগে মোইরাংদা শাৎথিবা লৈরাং অতুসু অদু মঙাই। অদুনা মহাক্তি থম্বাল মানবী

সনাপি। মাপিসু থোংলি, মাপিসু নোই; মাসিসু নিংথিজে মাসিসু ফজে। মুপী হাঙবা অসিমক্তবু লৈরাংগা পান্নমনে। তৌইগুম্বসুং লৈরাং পুন্নমক মান্নবা নত্তে— কনানা গোলাপনি, কনামা লৈহাউনি, কনানা মালিকানি, কনানা মালতীনি, কনানা কেতুকিনি, কনামা থম্বালনি। মাসিদা মীগী অপাম পান্নদা থেম্নবদি লৈ।—তৌইগুম্বসুং লৈরাংগী থোইদোকপা গুণ অমা-লৈ— লৈ হাঙবা অসিমক্তবু অথোংপগী মপুনি। মচা ইবেম্মসু অদু মঙাই। মুংথিল লৈথম্রবা মুমিংকী মশেক থরদং লাংবদা "থম্বাল মান্নবী মাঙথোংদা থুনা ঈশৌ লাংঙি।" থম্বগী থোংগান্দা য়েৌবদা নাচোম নাইন কোমথুনা লৈপাক্লা তাই। মাসি মুপীগী হৌনবা অথোংপনি; তৌইগুম্বসুং নিংথৌগী মচা অমতা পোকপী থাদোইগী বানা অমনি। অদুনা মৈতৈ ইশৈদা "নৌদা নৌবী অনৌবী" হাঙদুনা থাবদা করিগী হেন্দোক্লা হাঙবা থোক্তনি? মাসি মপানগীনি— ফজবদা, নিংথিবদা, অনৌবদা অপেনবদা মোইরাং থোইবীগুম্মি হাঙরগা লোইরে। মাসি উহৌত্রবসু মৈতৈগী পুক্লিং পুন্নমক্তা য়েকতুনা লৈরবনি। তৌইগুম্বসুং মাসিদি মপানগীনি নিংথৌগী মচা ইবেম্মা অসিগী মঙুংগী নিংথিজবনা অমুক হেন্না পুক্লিং হুনবগী মশক্লি। নিংথৌগী মনাওনা পোকপা, অমদি স্নাকোম্নুংদা নাইতোম শাংপা লৈরাং ওইবনা লৈমা-নিংথৌনচিংবা পুন্নমকী থরাই শক্লবা অমসুং মরম পুন্নমক অসিমক্তনা পোকপদগী মুংঙাইবা নত্তনা অরাবা উরক্তদুনসু মোইরাংগী থোইবীদি অরাবা মীগী থমোইদা চাকলিবা অদু থংবা ঙম্মি। থৌজানগী পি হাঙবা অসি মুপী ওইবগী লৈতেং ওইদুনসু হন্দকী মফম অসিদদি হাঙবা য়ারোইদবসু লৈ। তৌইগুম্বসুং ইবেম্মা থোইবীদি থৌজানগী মশক্লি। থমমুনা খোরি কৈথেন্দগী হল্লকপগী মতাং অমদা ঐথোইনা তাই।— মুমিদাংবাইগী কাম্নি। মুংশিংনা নোংচুপ চীংয়া থাংখরে। কোরৌহনবগী ঈশৌলাংবা লৈতরে, নামিবা মুংশিংনা হৈরাং লৈরাংগী মনম পুদুনা তপ্না তপ্না শিংলি। হয়েংদি লৈমরোন চাক চানবা মুমিংনি। মজাইবেম্মনা শেম্নচিংবা মনাই অচানবী পুন্নমক্তা লোঙনদুনা কাগি জুগাই তৌনদুনা হকচিক লাংবা লেংথোকই। মতম অসিদা অতৈ ওইরবদি লম্বী অরাম্নদা মোংনা চংলিবী মিংনাইদবী মতাদা স্নামিংয়েং তারুদবসু য়াই অসিনচিংবা।

তেংবানবদা থবকী পাঙল লৈবদি নিপাগীনি, মুপীগী নত্তে। মুপী হাঙবসিদি অথোংপা অনৌবগী মশক্লি। য়েংউ, মোইরাং থোইবী হাঙদুনা নিংথিবা, অনৌবা, অপেনবা পুন্নমকী চংনফম ওইরবা অসিনা থবকী লমদা মুপাবু হেল্লগনি হাঙবা অসি কনাগী থাজফম থোকপগে? তৌইগুম্বসুং মাসিদা নিপাগী মুপীগা থেম্নবা অমা লৈরি— নিপানা মশা কল্লি, মুপীনা থম্মোই কল্লি। তৌইগুম্বসুং থম্মোই কনবা হাঙবসিদা থম্মোইগী অথোংপা পুকচেন রাংপা থংনবদি চুমদে। নিপা হাঙবসিনা মাহৌশানা থবক ঙম্মি। মুপীনা থমোইগী করিগুম্বা থৌঙনশিন অমগী মতুং ইন্না থবক ঙম্বনি। থবক্তা ঈচং থৌবা অসি মুপীগী মহৌশাগী ধর্মনি; নিপাগীদি থোক্লবা পৌদোক অমগী মতুং ইনবনি। অসোমদা য়েংউ। —কবোগী লমদমদা। তুমুলাকপগী মচা সম্রিকচংনিংথৌগী বল্লক

য়েংথিবগী মৈয়াম্‌ঃ কনানো—পাঙ্তা কুমহুনা উনথোল লোথোয়্রিবসে ? কনানো—অবাংবা লোইবী মীংথাংদা কাখৎহুনা শীংজন কোকথোং পুরিবসে ? ওয়োকপনি, হে সুপী ওইবগী পুকচেল ! মালিবু মোইরাংগী অমত্তা পোকপী থাদোই ; নোমা নোবী অনৌবী থাউজন মানবী তমোংগী অহুনি হাঙ্গবা কনানা থাজগনি ? অদুগা অমুকা য়েংখো— কুবী তেম্মা থাজা। কনানো য়াম্নোই শাওনাল থোইহুনা কৈগী মাংদা শজি অমোমনা চেনবগুম চেল্লিবসে— য়ামিহু মমাংগী থমাল মানবী লমা অহুনি। তুমুগী লমদমদা অৱাবা হৌনবমথৈ কথলকলে ; লমীদা য়েক্লবগী লাংমহু থুক্লরে। নিপামকস্থ থবক্কী লমদা তৌগদবা থৌরম নিংশিংদবা য়াই। পাইরকী লৌশিংসু সুপীনা হেল্লি।—অপূনবা থৌজনশিন অহুনা থমোইদা অৱাবনু রাদবা ওয়া ; য়াত্রবস্থ খাংবা ওয়া সুপীনা হেল্লি। অস্থপ অৱাবদা তারবদি নিপামকস্থ মাগী তৌগদবা অপুম্বা নিংশিংদবা য়াই। অৱাবা পুম্নমক কাওথোকখিহুনা য়াহু হেক লেনবগা কাকত্তা সুংশিত্তা তাখীবা হাঙ্গকরি। য়ালংবলস্থ কৈথোদে। কাক্লা সুংশিং নামিবা অকনবা ঈপোম হোদে। সুরা লৈরাংমানবীবু মৌসীশিংগা চলহনবদি য়াজোই শগোনগা শানৌগী পুকচেন্নগননি ; মতৌ অস্থমনা থমোইগী অকনবা পুকচেন অহুনা মোইরাংগী থোইবীনা অৱাবনু অৱাবনি হাঙ্গনা শীংথাখিদে। সুপীনা ওমদবা করি লৈরবগে ?

অদুগা নিপানা মহাক্কী পাম্মবা, সুংশিবা, চান্নবা পোৎ অদুবু সুপীগী মতৌগুমনা অদুপ থমোইদা চিংশিনবা ওমদে ; অদুপ গুরুত্বনা মশাবু কাউবা ওমদে। তেংবানববু নিংশিংদবা ওমদে। মরমদি নিপাগী মচৎতি পাকপদা চাংজো নাইত্রবা ঈপাককুম্বনি, অদুগা সুপীগী থম্মোইনা লুবদা লেপ পো কাত্রবা ঈপাককুম্বনি। নিপানা মাহাকনা পাম্বা পোৎ অদু থম্মোইদা থম্বা ওমলগা মথরাই সুংঙাইবা ওম্মি ; তৌইগুম্বসুং সুপীনা মাহাক্কী অপাম্বা অদু থম্মোইদা লাংপগা লোইননা মিৎথক্তা থম্নগতা পেল্লি। মরম অদুনা থম্বনা মিৎয়েংগী রাংমা হেক থোকখিবগা মচা ইবেম্মনা থম্মোইগী মমুংদা লোৎতুনা সুপীগী রাখলগী পাঙ্গলনা উদবা পোৎপু উবা ওম্মি অমসুং রাখন্দগী থোকপা পোৎ অদুবু অওইবনি হাঙ্গনা নিংতুনা মাগা তোৎনবা পাম্মি। সুপীনা মপানগী য়াওদনা পেনবা ওমদে। পেনা ইশৈদা তমু লোইথাবনচিংবা পন্দুপতা থোইবীনা রাবগুমনা থম্বদি রাদে হাঙ্গবস্থ য়াই। মরমদি সুপীনা মাহাক্কা পাম্বা অহুা নত্তনা অতৈদা পুকনিং চংলুবা ওমদে ; মাহাক্কা পামদবা অদুগদি মাহাক্কা তোৎননিংদে ; মাহাক্কী নমিং মনমদা তাবদা মশাদা মৈরিনা চুরগুম্মি। মাহুগীদমক থবক্কী অফ-ফত্তা, অরাসুংঙাইবা, অসিনচিংবা থমুলবা মতম কংদে। সুপীগী পুকচেল চেত্তে হাঙ্গরিবা অদুমক মকম অসিদনি ওমতৈনৈ ; অদুগা থম্মোইগী অপুনবা থৌজনশিং অমনা পুকচেল অদু ঈশিংগুম্ন রাইদা, থবক্তা, শাজংতা, মিৎয়েংদা ফোংজোকই হাঙ্গবমথৌদি চুম্মি। তৌইগুম্বসুং নিপাগীদি অদু নত্তে ; থরুমং লৈবা থম্মোই অহুস্থ লৌশিংগা তোৎনৈ। সুপীগুম্না থম্মোইগী অকনবা থৌজনশিন্না য়াত্রবমকস্থ লৌশিং পোত্থিনচিংবা মথং মথং লাকুনা মাহুগী লম্বীদা পন ওইনা হেক থিংলে। মরম অদুমক্তনা থম্বনা থম্মোইগী থৌজোক পুম্নমক

থামহুনা মহাক্কী তৌরিবা অবস্থা ষুংশিন্নবা নিংথৌগী মচা মুপী অসিনচিংবা অসি মথং মথং ওইনা খঙ্জনা পাম্বে লৈতে। মাসি মচা ইবেম্মা অহুগদি কন্না খেন্নবা হাঙৈবা অহু য়েংকম খোক্কই।

অহুগা মুপীবু অমরোমদা করমনা লৈরাংগা পাম্মনরুগবা? অথাংকনবদমু নিপানা মুপীদগী কয়ি হেল্লি অথাপ্পা লম্বী চৎপা, অতৎপা লৈতনা হকচাংগী ইন্দ্রিবু শিজিন্নবদা নিপানা মুপীদগী হেনবমু থংয়ে, তৌইগুম্বমুং অরাম্বদা চাকহেনবা; খৌরাংবদা কংহুনা থাংবা অসিনচিংবা উদন। ইন্দ্রিগী অবাবা থাংবা অসিদগী মুপীনা হেল্লি! অহু ওইরবদি হাঙৈবু অনি অসি কদাইনা লুবগে—অমনা পূক থন্না চারগা অবাবা থাংবা—অমনা থকপা চাবা লৈতনা অবাবা থাংবা। মাসি অচম্বা মিৎনদি উবা ফংদবমু য়াই। মুপীগী অন্নাংপা গুণ পুন্নমক অসি মহোশানা অথুপ্পা মকমদতা লৈ। মাসিগী মরমদা জন্ ষ্টুয়ার্ট মিল্লনা হাঙৈখিবা অমা লৈ। পৃথিবীবু কনানা মুংশি-হৈতবা, মপী লৈতবা অকোকপা লৈকং-লানি হাঙৈবগে? অওইবমক মুপীনা তেংবানবগী য়োকচবীনি।

অসিনচিংবা অয়াম্বা বাথল অমমুং পাউতাক মোইরাং থোইবীদগী থংনঙাই তমনঙাই লৈ। ঐখোইনা অতেনবা বারেং অসিদা বান্নীগী মতাং য়েননা হিরম পুন্নমক ইরবদি শাংদোকখিগনি হাঙৈবগী কীবনা মাহু তোক্লগে। মোইরাং থোইবীগী বান্নী পার পারগা মথাদা ইরিবা অথুপ্পা হিরম কয়ামরুম অসি ফংডি।

১। নিপাগী মশা কল্লি, মুপাগা মশানা থোংনাল।

২। নিপানা মপাঙ্গল অহুগী পাঙ্গলনা থবক ওল্মি, মুপীনা থম্মোইগী থৌঈনশিন্না থবক ওল্মি;

৩। থবক্তা ঈচং থৌবা অসি নিপাগী মহোশাগীনি, মুপীগীদি থোথোক মতুং ইনবনি।

৪। মুপীনা হিরম পুন্নমক্তা মপানগী পাম্মি। মুপাগীদি মাহুমু লৌশিংগা তোংনৈ।

৫। নিপাগী বাথন্না লৌশিং অমমুং পোম্বিগা লোঈনৈ অহুগা মুপীগীদি মুপী ওইবগী থম্মোইদগী মহোশানা পোকচবনি।

৬। মুপীনা পুকনিংগী অথোংপদা মুপাদগী হেল্লি।

হজরত মহম্মদ।

খৃষ্টাব্দ ৫৭০ শুবা অসি আরব লৈবাক্কী য়াইফবা থোকখিবা শক অমনি। ইথং থংহৌদনা পারস্যগী পুরিংশিংনা মতম কুইনা লাংলক্লবা মৈ মুংখিরম্মী; থংহৌদনা আরব লৈবাক শীনবা থুংনা নোংথাং কুপ্নগুম ঙানখিরম্মী। মরমদি মতম অদুদা লৈবাক লৈমনা পাপ্কী অন্ধকারনা য়াবা অদু উবদা অমদি মতম অদুগী মফম অদুদা লৈরম্বা মীশীংগী ধর্ম্মগী মরীদা য়াংপা অদু থংহনা অচৌবা লাইপোকক্কী মশক ওইরবা মুপা অমা মকা সহরদা পোকখী। তৌইগুম্বসুং ওন্থোকপনি! মচাগী থাবু ঙমজনা নিংথিরবা মাঙ্গথোং মচানা পৃথিবী অপুম্ববু মোংমা পাপকী কুণ্ডদগী লান-বিরপনি হায়বা অসি মহম্মদপু পোকপা মপা আবহুল্লাবুদি উ অমসুং থংঙ্ক হাঙ্গদুনা তমখিদে। মপানা য়োক্লনা চাউরবদি মপানা হিংদুনা লৈরবদি পৃথিবীদা মহাকনা পাংথোক্কে হায়না নিংদুনা লাকইবা থবক অদুদা অপনবা ওইরগনি হায়দুনা মপাগী মশক থংহৌরে; মাহুনমু ওক্তদনা চহি অনি মমাগী মুংশিবগী চাং য়েংলগা মপুরোইবা খাইনবগী মৈনা চাকলবী মমা ইবেম্মা আমেনাবুসু লাইরৈবাক্তা থাখিরম্মী। অদনা নহা ওইবগী হয়াও কুম্মৈ চেনবা চোংবনচিংবা পুম্নমক মহম্মদনা মপুগী মমুমদা তৌখী। মপুনা শিগ্রবদা মহম্মদনা মহাক্কী মতোনগী মমুমদা পুনশিন্নী অনৌবা থাক অমদা কাখংলে। নহা ওইরিভেদা য়াউশেনবনচিংবা অনংবা অরাবগী থবক তৌদুনা অমসুং মতম লৈবখিবিক্তা অনংবগতা তোংনদনা লাইরবগী অরাবা পুম্নমক মুমা থংলে। লল্লোনবগীদমক মখুড়াগা লোইনদনা সিরিয়া, দামস্কস, বাগদাদনচিংবা মফম অয়াম্বদা কোঙ্গদনা মতম অদগী মফম অয়াম্বগী অবস্থা পুম্নমক থংখী। মাহাকনা লম্বীদা লম্বীগী ডাকু মফম মফম খুদিংদা হুরানবা চিক্তিবা নমথাক তৌবা অমসুং ধর্ম্ম কাঙ্গবা মচং চংপা পুম্নমক উদুনা থমোইদা ঙমখৈ লৈতনা য়াখী।

মতম অদুদা আরবতা খোদিজা কৌবী পুকচেল শেংলবী নুপী অমা লৈরম্মী। খোদিজ হায়বী অসি নহা ওইনা লুপ্তগি ওই হাঙ্গরগা মহৌশানা মহুদগী ওইবা য়াবা মরাল পুম্নমব অমতা শোকলমদে। মহম্মদনা মাহাকপু মাহাক্কী মতিক চাবা মুপী ওইগনি হাঙ্গনা খন্দুনা মত চানা লৌশিন্দুনা পুনশিগী অনৌবা লম অমদা চংশিন্নে, মরমদি খোদীজা হাঙ্গবী অসিগী য়ামন মরল মথুম লৈরম্বা মরমনা মাহাকপু লৌবদগী মহম্মদনা তেংবানবগী শেংপা চাবনচিংবগী অরাব পুম্নমক্কগী কোকতুনা নিংঙাঙ্গদনা ধর্ম্মগী য়াথল তৌরা ঙমখী। মতম অসিদা অতোপ্পা জাংব মীশিংগা উনতানদুনা ধর্ম্মগী হিরমদা খনজিন পাশিন্নরবদা মহম্মদকী পুকনিংদা ধর্ম্মগী মরী নরক্কী মশক ওইরবা আরবতা অনৌবা ধর্ম্ম অমা শন্দোকে হায়না লেপখী। মরম লৈত মুড়িবু লাইনি হাঙ্গনা খন্দুনা মাহুবু ঈয়াংপনা কাল অদুগী আরবকী আথোইবা ধর্ম্ম ওইরম্মী। লৈবাক মচুংগী থংনচৈনবা য়াথোক লাম্থোকপনা আরবতা মুংঙাইফম লৈরমদে। খুঙ্গোং চাবা

অসি উহনা বোংচুপলোকনী খৃষ্টানশিংনা আরবতা খৃষ্টানগী মন্দির মতম অতোমা লিংখৎলে হাইদুনা হোৎনরমগী। মহম্মদকী অশিংবা লৌশিং অমসুং ফুরী থৌরম উবা লোমদিনবগী লমচৎ আরব অসি মমুংগী রেম্বা ওসমান অমসুং খৃষ্টান করগী হোৎনবা মতৌ তাদুবা ঐতিহাসিক মশা পোনবিরমগদবনি। মাসিদগী মহম্মদকী মিৎতে অসি আরব লৈবাক অপুম্বা শীনবা ফুংথী।

মাসিদগী মহম্মদকা ধর্ম্মগী বাখনবা শুরুৎথিদুনা ভেংবানবগী তুম্না চাৎনচিংবা বাখল পুম্নমক কাউথি অমসুং মীচিক নাচিকখোল তাত্রবা হিন্নাত চীংগী অটীকপা চীংদোনদা চৎতুনা ধর্ম্মগী বাখল তৌথি। বুদ্ধদেবগী মতৌগুমনা মতৌ অসুমনা চহি কয়া ধ্যান তৌররবগী মতুংদা ধর্ম্মগী মরু "একমেব অদ্বিতীয়ম" ঈশ্বরদি অমতনি হাঙবা লাইরা অসি কংখি অমসুং লৈবাক অপুম্বা লাইরা অসি তাকপিগে পুকনিংদা ন্রেপখি। তৌইশুমসুং মহম্মদকী মমল নাইত্রবা পাউতাক অহু খরনা লৌথি, খরনা ধর্ম্ম থুগাইবা কাফেরনি হাইদুনা মাহাকপু মতিক চাবা দণ্ড পীবনা চুম্মি হাইদুনা মপুকনিংদা লেপখি। মমৈদদি মকাগী মীশিংনা ওৎপনা থাংবা য়াদদুনা মহম্মদনা মদিনাদা চেল্লে। মফম অতুগী মরাইবক ফবা মীশিং অহু মপৈ মপৈ ওইনা মহম্মদকী ধর্ম্ম লৌথি। মমৈদা মহম্মদনা লাম্মী লিশিং তরা পুদনা মকাদা লাক্লে। মাহাকী য়াথংনা মফম অদদা লাইগী মুর্ত্তি শাদনা লাৎলম্বা পুম্নমক তোকলে। মতৌ অসুম তৌদনা অশেংবা তীর্থ মকাদগী ইসলামধর্ম্মগী অরুবা মঙাল অহু অরাবকী মফম পুমনমক্তা শন্দোকখি।

মহাপুরুষ মহম্মদনা পোকপা অসি আরব লৈবাককী য়াইফবনি; অহু নত্রবদি পৃথিবীগী ইতিহাসদা জাৎ অসিগী মমিং অসি অসিগী মমাংদনা মুৎথ্রগদবনি। মহাকী ধর্ম্মগী অমুবা মগুণ অহুনা হৌজিক কাওবা পৃথিবীগী মী অপুম্বা শুরুৎনরি। মাহাকী ধর্ম্মগী পাঙলতনা লাকপা ওনত্রবা বেদুইন জাৎপু অমসুং মতম লৈবা খিবিক্তা লান খংনচেনবতা তৌদুনা লৈরমলবা আরবকী জাৎ অতৈ অতৈবু খৌথোক খুদিংদা লীচিং অমতা ওইহল্লমদুনা পৃথিবীদা নামা তাবা য়াবা জাৎ অমা ওইহনখী; অমসুং নত্তনত্তবা থাজবা, লাইগী মুর্ত্তিবু ঈরাংপনচিংবা ধর্ম্মগা মরী থোক্তবা চৎনরম্বা পুমনমক ককথৎতুনা লৈবাক্তা থাঙৈশেংবা "খোদা" ঈশ্বরগী সিংহাসন থাবিরমবা অসি মাহাক নত্তনা কনাগী পাঙল লৈবগে? অসুমনা পৃথিবীদা ঈশ্বরগী য়াথং মতোমোমনা পাংথোকলমলগা মহাপুরুষ মহম্মদনা ইংরাজী শোক ৬৩২ শুবদা নোঙাখী। মহম্মদ শিবগী পাউ তাবদা মদিনা সহরগী য়ুম্নথোং খুদিং অরা ভেংথাবগী খোজেন্না নিরখি।

খুদক্তা ওইবা ঈশ্বরবু ঈরাংপা, পাপ্তা লুপতুনা লৈরবা আরবপু কনবিবা, তিন্নবা য়ান্রবা আরব জাৎপু য়ুমথাইনরগী কনবা প.কচেন কোকহন্দুনা অমতা ওইবগী, হুংশিবগী, চান্নবগী থৌরিনা পুনশিবা অসিনা মহম্মদকী ভেংবানবগী লীলানি, ভেংবানবা অসিনা মহাকপু পাংথু হাইদুনা খারকপনি। মাহাকা মপুনশিচুনা, ঈশ্বরগী অমসুং মীগী সেবা তৌদুনা লেনখি। মাহাকা চংজফম

চৈনত্রবা মীগী চংনবম পীবা, অমাবা তামরা মীগী অৱাবা কোকনবা লাক্লবা, পাখে কৈরবা মীগী মতেং পাংবদা হনবা লৈখিদ্রে। "সত্যং ব্রুয়াৎ, প্রিয়ং ব্রুয়াৎ, ন ব্রুয়াৎ, সত্যমপ্রিয়ম" হাঙবা অহ্ মাহাকনা মপুরশিংগী থিকুপ খুদিংদা কাঙদনা তাকপা ওমথি। মাহাকনা হিয়াতকী অচিকপা চৌখাংদা মদিনাগী শিষ্যগী মরক্তা, অকাগী য়েক্লবগী মরক্তা লুমলবা খোঞ্জেলা খোম্বাং য়ৈনা লাউথি "জীবন্ হুংশিনু, নংস্থ ঈশ্বরগী হুংশিবা ফংগনি। অফকত্রবা থাঙ্গনু— মীবু হুংশিবদা লিকনু। ফত্তবদা অফবা লমচৎ চৎপনা মীগী ফনবগী পাদেনি। মাশিনগী হেন্না মীগী করগা খংনিডাই লৈরিবগো?"

মণিপুরগী ইতিহাস।

মণিপুরগী ইতিহাস অশেংবা ফংবা অসি মতম অসিদা থবাইমকনা পামনরবস্থ ফংবদি ফনদা নত্তে য়ামনা লুরি। ঐখোইনা লাপঞবা কলিকাতাগী কৈথেনদা য়োনা 'মণিপুরগী ইতিহাস' হাঙনা থোনবা লাইরিক অহুম মরিদং য়োলম্বা উরগা ঐখোইগী চিদাইদা লৈঞবা পিকলবা লৈবাক অসিদস্থ মীরৈবাক্কী রাখন চাউরবা পণ্ডিতশিংগী রাখন চংবিরে হাঙ্গহুনা হরাওজবা মথৈ ওম্মি। তৌইগুম্বস্থং পারুরবদি মাহুদা মণিপুরগী অচুম্বা থংনফম থোকপা রাদি শরুক নিপাল থোকলগা শরুক অহুমদগী হেননা ফংহনা অপাবা কয়ানা নিংবা কাঙ্গরিরোইদগে হাঙবা অহুদি ঐখোইনা থংত্রে। অসিদস্থ নত্তনা মতিক চাউরবা তৌবা ওম্বা পণ্ডিত কয়ানস্থ মণিপুরগী মরমদা খোইদোকপদি ইতিহাসগী মরমদা ইন্থনা মাখোইগী হৈশিংবা উংনত্রে। তৌইগুম্বস্থং মাহুদা মণিপুরগী ইতিহাসগী রাদি কদাই? ওম্বোকপনি! মৈতৈ লক্ষ মরি মঙা অসিগী মরকতা মণিপুরগী ইতিহাস হাঙবদি মৈতৈগী ইতিহাসগী অৱাবা দশা অসি উৎনা রাবিবা ওমদে! মীরৈবাকতা য়োলম্বা ইতিহাসদা ঐখোইনা করি করি উই?— কনানা লেংবা ইতিহাসদা, মণিপুর হাঙবা অসি থাইনা বভ্রুবাহনগী লৈবাকনি, মৈতৈ কল্লি, মৈতৈ ফজে, মৈতৈ হোনবা থংতি, মৈতৈ লাইনি মৈতৈ তীম্নি অসিনচিংবা। মাখোইগী লাইরিকতা থাইনদগী হুজিক ফাওবা অসিদা মৈতৈবু থাগৎপা নত্তনা থাদবা অমতা উদে। মাখোই অসি অপ্যংবা মীদি থোক্তে; মাখোইনা মাখোইগী মরৈবাক কুমনা য়েৎলককনি, লাইরিক অমা লেংউবদা চামন মিৎয়েং চংলককনি, হাঙবগী কিবস্থ থংদে; মাখোইবু ভারততা লৈবাক পুম্মক্না য়াগনি হাঙনা নিংবা লান্দে। মরমদি মণিপুর হাঙবসিস্থ ভারতবর্ষদা কুইনা লৈজরকলবা লৈবাকনি। কনা অমনা করি হাঙ্গি মণিপুর হাঙবা অসি হিন্দু লৈবাকনি। মৈতৈ হাঙবা অসি মঙ্গোলিয়াগী জাৎনি। মাসিদা গুরিবনিবাজ কৌবা নিংথৌ অমা পাম্নমী। গরিবনিবাজ হাঙবা অসি পাঙল লোম্নি অহুনা মাসি মুসলমানশিংন হাম্নিরকপগুম তৌবা মাপ্লে অসিনচিংবা। মাখোই অসিস্থ অপংবনি হাইক্লবা রাক্রা? অসিগুম্বা অজক অজকপা তাক্তা য়াওবসিনা মখোইগী লাইরিক অহু চৎপা হেল্লি। ফোংদোকপা (আবিষ্কারক)

হাঙ্গৈবা মিং অসি পাম্বনা কনানা ঐখোইগী মণিপুরগী ইতিহাস লেংবদা মাদগী ৱাদি তোক্লকুনা সমক্ক মপানগী মনফুর বক্সগী ৱা লেংঙি। কনানা মহৌশগী অৱাংগী মদাইরম অমা তান্না পুই। ইতিহাস লেংবশিং অসিগী অৱাবা, নোম্বা, কনবা, অথাংকনবা উরগা ঐখোইনা মাখোইবু থাগৎতবা ওমদে, অরুবদি—লাইৱিকসু শিংনবা লেংদবা য়াদে, লৈবাক ৱায়েল চংলক্কবসু কি, মিংচৎ ফংগনি হাঙ্গৈবগীসু মপুক লাংতকনে। জাৎকী ইতিহাসগী মরমদদি পংলবা মৈতৈ, ইংরেজনচিংবা মহৈ হৈরবা মরুপ খরগসু তানবগুম তৌই। অদুগা লৈবাক মীয়ামদা য়ামনা থিরুরে হাঙ্গৈবসিসু উত্তবা য়াদে, অনৌ অনৌবা ফোংদোকুনা মীবু ওকহনবসু য়াদে। অদুনা ইতিহাসনা ৱাবগুমনা অরেংবসু ৱাৱিগনি হাঙ্গৈবসু ঐখোইনা খংদবদি নত্তে।

ঐখোইনা মমাংদা ইতিহাসনি হাঙ্গৈদুনা লেংথ্রিবা লামাই নিফু অমা য়াথে অমা পানবা লাইৱিক অদুসু মণিপুরগী ইতিহাসগী শরুক খরনি হাঙ্গৈবদি লান্দে। তৌইগুম্বসুং মাদুনসু ঐখোইনা অমসুং অতোপ্পনা নিংবা থুংবদি থোকত্রি। মাদুদা য়ামনা খংফম লৈ হাঙ্গৈদনা থাগত্তবদি য়াদে। অদুনা ঐখোইনা মণিপুরগী ইতিহাসগী অসুম্বা অৱাবা অসি কোকপিনবা লৈত্রবরা হাঙ্গৈদুনা পুক্লিংদা য়ামনা ৱাই। তৌইগুম্বসুং ৱাজৈ হাঙ্গৈবমথৈ মডাই ঐহাক নহাক মহাক কনানা কোকনবা লাকনরুরে হাঙ্গৈদুনা খুম্বা ওম্বা য়াওগত্রা ?

তৌইগুম্বসুং অদুম ওইনমক থাইনগী মৈতৈশিংনা করমনা পালম্বা ইপা ইপুশিং অদনা কনানো অসিনচিংবা অসি ঐখোইনা মহৌশানা খংনিংঙি, অদুগা খংদবসু য়াদে। করিনা হাঙ্গৈববু মপা খংদবা মচা হাঙ্গৈবা অসি য়ামনা চোপ্পা অমনি। ঐখোইনা নিংবা কাঙ্গৈরে—মরমদি থাইনগী লৈরম্বা শাগৈ কয়া মরুমগী মৈহৌরোলনচিংবগী ৱা অসি তোঙান তোঙানবা শাগৈ অমসুং নিংথৌগী মমিং মথা নত্তনা জাৎকী মরমদা কুপশিনবা ৱা য়াওদে। অদুগা মৈতৈ পুরাণ খংঙবসু ঐখোইগী ইতিক লৈত্রে। মরমদি মৈতৈ পুরাণগা ইতিহাসগা য়ামনা খেন্নবা লৈ—ইতিহাস হাঙ্গৈবা অসিদি হৌজবগীসু সাক্ষিনি। অদনা অয়াম্বনা নিংবা থাদোকুনা মৈতৈগী থাইনগী ৱাদি অমম্বদা কুপতুনা লৈরগদবনি হাঙ্গৈদনা লৌগে। ঐখোইগী মরক্তগী কনাগুম্বা অহল্লমনগী মনাক্তা কম্বা তম্বা খরনদি খংঙি, বভ্রুবাহনা সুবাহু, সুবাহুনা ধর্ম্মাঙ্গ, ধর্ম্মাঙ্গনা হেমাঙ্গ, হেমাঙ্গনা যবিষ্ঠ পোকই অদগী মথং মথং মহারাজ কুলচন্দ্র ফাওসিন্নি তৌইগুম্বসুং মাদসু শক তারিখ পুংফম য়াওত্রা ? কনা অমনা শক্লাই—অরেংমকী মমিং মথা পোককমকসু খংদনা মৈতৈ হাঙ্গৈবা অসি হাওনি হাঙ্গৈনিংবসু য়াওই। মাখোইনা হাঙ্গৈ, মৈতৈনা মৈতৈ ওইখিবদি ওয়াংদনি—ঐগী ইবুধৌ পুরেনবু পোকপা ইবুধৌ অদুদি হাও ওইরম্মী—য়ু থকলম্মী শা চারম্মী—থাজত্রগা খন্দুনা য়েংউ য়ুখল য়ুথক হাঙ্গৈবা অসিগী মরু খিদনা য়েংউ—অসিগুম্বা ৱা অতৈসু য়ামনা লৈরি অসিন্নচিংবা। মাখোইগী ৱা অদুসু ঐখোইনা য়ানিংদে। মাখোইগী নিঙাইবু করিনো—হাও হাঙ্গৈবা অসি য়ু থক্কই মৈতৈসু য়ু থকম্মী অদুনা মৈতৈসু হাও ওইরম্মী। ফনা নোকনিংবা ৱানি ঐখোইনা অমুক হাঙ্গৈরবদি হেন্না নোকমিংগনি—হাওদি য়ু

থকুপদা য়ুখল থস্রে, ইত্রি খুহুম চন্দুনা মতমচানা থকপা ওমদে, তৌইগুম্বসু মৈতৈদি ওয়িং; অহুনা মৈতৈগী হাও নত্তে; হাঙ্গবদি করম তৌই। অতুগা মাসি পুন্নমক কান্নরিব্রা? ঐখোইদি করুই কৈ ওইবদগী হৌন্নুনা দুশে নাবগী য়ারী ফাওবা অসিদা মৈতৈগা হাওগা শাগে ওইবগী প্রমাণ অমত্তা ফংদে। হুন্নক মৈতৈনা হাও ওইরবী হাঙ্গবা অসিদি মরম অহুনা অর্থ অতোপ্পা অমনি।

মীয়োইবাককী কনাগুম্বনা মাসিদি থাইনগী মণিপুর অহু নত্তে হাঙ্গবহুদসু ঐখোইদি থাজবসু তৌদে, থাজদবসু তৌদে। মরমদি ঐখোইনা থোইনা তাশিংঙনবা লৈত্তে। তৌইগুম্বসু ঐখোইগী মরকুগী অয়াবদি মাহু তাদনা চেংনা থাজথ্রে; চু পাইবগুম পাইথ্রে। মণিপুরগী বা থংগে হাঙ্গরবদা মণিপুরদা থিদনা মহীগুরদা থিরগা থোইনা কান্নরমগনি ঐখোইনা খনহুনা তারুদে। মণিপুর অসি থাইনগী অহুবু ওইরবসু লাহান্দা শাগৎপবু ওইরবসু মাদুদি মণিপুরগী ইতিহাসদা লামাই তরাতরুক্কুগী হেন্না মকম ফংফম থোকপ্রা? মাদুগীদমক থোইনা মিহৌরুদনা করি কান্নবগে? ঐখোইনা পামজরিবদি— ‘মণিপুরগী অশেংবা ইতিহাস’।

তৌইগুম্বসুং হৌজিকতি মীওইবগী লৌশিংনা চাওথৎপগী লোইন লোইননা মী পুন্নমক্কা থংনরে। নিংথৌ থোইদোকপা মত্রগা অথোবা কনাগুম্বগী বারী খরতনা ইতিহাস ওইবা য়াদে। মাদু ইতিহাসগী শরুক অমতনি। অওইরমক জাং অমনা মতমগী মতুং ইন্না চাওথৎপা, মাংথবা মাগী মরম, মীগী হৌনবী, লৌশিং, ধর্ম, লৌউবা, মথুং-মশা হৈবা, লম্লোলবনচিংবগী বা মাদু ওনথিবা, মাদুগী মরম অসিনচিংবা থংবা অসি ইতিহাসগী চাওরবা শরুক অমনি অদু ওইরবদি ঐখোই মুংশাশোর হোনবা থোকলে। মরমদি থিযু থিরবদি মণিপুরগী ইতিহাস লেংনবা মচাক লোইনমক নত্রবসু থরদি শোইদনা ফংগনি।

অপোকপা লোনসু পাও— চুমনা পাবনদি কান্নসে, অর্থ থংনা পাও। “খানা নিংথেম পোকএ, লৈকক লৈয়ারে চমুনা মুম্মিং কোললে, পাথংবা পোকএ, কাক্লেন মুক্শকৈশনে ঝাওব্রোইরীদি য়াপিলোকনে, সিংতুদি অওাংপানে মচু লংএ। থাম্মালপিচাকতি থাতোকনে, ইরুপাতি মুংচেংনে। লৈদি থহাল আওাংপানে লাদি চংপীনে”। অসিনচিংবা অসি ইতিহাসগী মচাকনি। অসুমনা খুঙলোন, লুরাংলোন অত্তে পুন্নমক পাও কান্নগনি। চৈথারোল হংঙু— সনা ফমাং পাও, পেবেংকী রারী ফাওবা চীংথগনু। মাইবগী মনাকতসু রফম, মখোইবু হাকনা থোশাদবসু তৌরুগনু, মরী খরৎপা মী হাৎপনি হাঙ্গহুবা পংহাঙ্গসু হাঙ্গরুগনু, নংগী ডাক্তরসু মপুক থিন্নবদি মপুক নখোই হাঙ্গবা য়াগোই। মকোক চিন্নবদি মকোক পাঙ্গয়োই হাঙ্গবা ওথোই। মারবদি, মরী শিংলী অমা ফহৌশাগী মীওম কাঙ্গ মাহু চুম্মানগা কৈ হাঙ্গহুনা মৈতৈ অশিংবা অমনা হৌদোকলমনি। মাহুগী মমাংদা চরক সংহিতা ফাওবা কদাই মথৈ লৈনরবগে হাঙ্গবা অহু থিহুনা য়েংউ হুবিকা পাইশাবা ফাওবা চীংকাসু।

মৈতৈ পাঙ্গিগী মনাকচু ফম্নু। শ্রোংশ্রাইজিং পোকপদি মচু ভাংএ। শমস্থং শমক্রু লৈএ অসিনচিংবা মাখোইনা হাঙ্গবা অতুস্থ তাও। চহি মশীং থীও, অতুকনা পুন্নিও অতুককা ভিত্রো অতুগা ৭ না হোম্নিও। অনি লেমলবদি ইনাক খুন্নে। ৬৯দা অপাঙবা লাংফমনে। ৯৭তা মাখোই লেন্নে। ১৬ নি পানবদি খুনমদা থবাইমি লৈএ। কালেনদি অবাংদা থা শিএ, নোংপোক্ক হললে ঈরাই ভংনৈএ ৫নি পানবনা অকাবনে। ১০ কাকয়েল, ২০ শামু, ৩০ লিল, নোংশা হাঙবা অসিদগী হৌরস্থনা চন্দ্রান্দ শেন্বা ফাওবা অসিদা নৈনরুবা পাঙ্গিগী থবকস্থ খংত্রবস্থ মতাও।

মৈতৈ ফি শেৎতে হাঙ্গবা অতুস্থ হাকনা থাজরুগস্থ। শেন চৎনত্রিভৈদগী হাওগা মৈতৈগা যিগা লাশিংগা শিন্নবগী বারী তাও। মচা ইবেম্মনা তুমুদা য়েৎনা হন্না ওইনা ওক, ওইনা হন্না য়েৎনা ওক” শাবা, থাও উতোং মস্থংদা হাপলকপা ফিগী বা অতুস্থ কদাই মথৈ চুস্নগে খন্দুনা ময়েংউ। মাসি শকাব্দ ১০৪৯ গী অতুবাইদনি হাঙ্গনরি। বাসক য়েংবগুমনা ইশৈ য়েংগস্থ ইশৈ মুননা তাও হৌজিককী লোফা; তেওট; তাঞ্জাও নত্রগা উজহারনচিংবা থন্নদং থংলগা মৈতৈদি শৈথুংলমদে হাঙ্গগস্থ। পেনাগী ওঋাশিংবুস্থ নোকনরুগস্থ বংদেশবুস্থ থাদগস্থ। অতুগী মমাংদা ইশৈগী চৎনরমবা পুন্নমক মুননা খংনবা তৌ। ঐখোইগী ইশৈদি ‘শাবী ইবুংঙোদা’ পীরম্মী হাঙ্গবা অতু মুননা তাও মুন্না তারগা মুন্না খন্নু। মাতুস্থ হৈরবদি অহিংগী তন্দন মুংথিলগী চেকলা ওইরগনি। পেনা ইশৈস্থ হন্দ তরানিথোইতনি হাঙ্গস্থনা নোকনরুগস্থ। লৈপাক অতৈনা লাউবা হৈত্রিভৈদগী মৈতৈনা “বীণাগী ঋঙ্কার” তৌস্থনা তাইবং শুন্দ্রংপা ওমলম্মী হাঙ্গবা খংনবা থিন্নু।

মথুং মশা হৈবা অতৈদস্থ মৈতৈবু হাকনা থাদগস্থ, খুই নিঙোম্বা মহারাজগী হাক্তক্নগী হৌজিক ফাওবা অসি মৈতৈনা লোন্নবা লৈবাক কয়াগী মথুং-মশা হৈবগী থবক তৌবিরকপগে হাঙ্গবা খন্দুনা য়েংউ। অসিদস্থ নত্তনা মৈতৈ বারী মৈতৈগী অরাপ্পা লম চত্তনা য়েংউ। ভেথাওগা মৈতৈগা ভান্নো, কাছারগী ইপা ইপলগী মনাক্তা ফম্ন; শিলটকী অহৈ অশিংদা হংউ লৈপাক তৌস্থনা থিন্নু; চীংদোল কাস্থনা য়েংউ। করিগী ইতিহাসগী মচাক ফংলোইদগে? য়ামত্তবস্থ থন্নদি শোঙ্গনা ফংগনি। অস্নুমম্মা লেংগ্রবা ইতিহাস অতুবু অশেংবা মণিপুরগী ইতিহাসনি হাঙ্গনা থজস্থনা পুকনিং চংঙাইনা পাজবা অসি ঐখোইগী লোন অসিবু নংঙথিগদ্রা?

১২।৬।১৬ ইং

অর্জ্জুন অমসুং বভ্রুবাহনগী লানফম ।

[যুধিষ্টিরগী অশ্বমেধ যজ্ঞগী শগোল্না মণিপুর য়ৌরক্লা বভ্রুবাহনগী মমাটসিংনা ফারবদা বভ্রুবাহনা মমাদা ঙম্বা]

বভ্রুবাহন—। ইমা ! অশ্বমেধ যজ্ঞগী শগোল অমা মণিপুরদা লাক্লা লৈবাককী অঙম অথৌসিংনা ফাহনা লৈরে । মাখোইনা ফাবা চুম্মি ।—ক্ষেত্রিমচাগী হৌনবা নিয়ম ঙাকপনি । অদুদা—

চিত্রাঙ্গদা— । য়ামনা চুমই, ইবুংঙো ! নংসু ক্ষেত্রিগী ঈনা পোকপনি মমাল্লবা ক্ষেত্রিমচানা পীংজরবদা মাইয়োকনহুনা থেংনবনা ক্ষেত্রিগী হৌনবীনি । লৈবাককী অঙম অথৌ পুক্লমকক্তা ঙাক্লহুনা লানগীদমক শেম শাহো ।

বভ্রুবাহন ।—অদুদা পুকনিংদা চিংনবা অমতং লৈহুনা ইমাদা করম্বা পাম্মৈ তৌগদগে নত্রগা মরম্ দি ইমানা করি হাঙ্গবা হাঙ্গবদুগী কিবনা য়াথং লৌজগে হাঙ্গহুনা লাকপনি । ইমাগী অসিগুম্বা থৌজানবিবা য়াথং অসি ফংজবদা ঐগী চুংঙাইবা নত্তনা অরাবা থোকলোই । যুধিষ্টিরগী অশ্বমেধ যজ্ঞগী শগোলনি হাঈ— ওইসনু, স্বর্গগী মপু সোরারেনগীসু ওইসনু । অর্জ্জুননা শগোল ঙাকলকই হাঈ— লাকসনু । মরোল অদুম্মক অসিনা নামা তাগ্রবসু ক্ষেত্রি মচানবু কিবা অমসুং লান্দা হনবা হৌনব্রা ? অদুগুমনা ঐসু ইমাগী কৃপানা পুকনিংদা অকীবা লৈত্রি !

চিত্রাঙ্গদা ।— করি হাঙ্গবা, ইবুংঙো ! যুধিষ্টিরগী শগোল হাঙ্গবা অদু ওইরবদি ফাবা চুমদে ।

বভ্রুবাহন ।— শগোল অদুগী মরাইবক্তা ইহুনা থেংলি শগোল অসি যুধিষ্টিরগী অশ্বমেধ যজ্ঞগী শগোলনি, অর্জ্জুননা ঙাকপা চৎলিবনি ।— ফাবা ঙমবা নিংথৌনা ফাও, অর্জ্জুনগা মাইয়োকনহুনা লান্থেংনবা শেম শাও, ঙমদ্রগা অর্জ্জুনদা যুধিষ্টিরগী, হৌনবী লোইপোথক্তা লোইমনা মশা কংথোকলো !

চিত্রাঙ্গদা ।— ইবুংঙো ! খাণ্ডববন্ থাবা ঙম্বা, যদু শাগৈবু ঙমহুনা সুভদ্রাবু মুনবা ঙম্বা, ভারতভা অনি গুদবা নিংথৌরেনগী ফমবাল তোংবা ঙম্বা পাণ্ডব শাগৈদা নংবু পোকপনি । ইমানা অহানবদা খংদহুনা হাঙ্গবনি । নপা ইবুংঙোনা ঙাকতুনা লাকলিবা শগোলবুদি নংনা করমনা ফাগনি ?

অদুমনা পাণ্ডবকী শগোলনি হাঙ্গবা খংলবদা চিত্রাঙ্গদানা শগোল অদু মপা ইবুংঙোদা কংথোকনবা হন্না হন্না হাঙ্গরকই । তৌইগুমসুং বভ্রুবাহননা ক্ষেত্রিমচাগী হৌনবী ঙাকনবা অমদি অর্জ্জুননা মহুংগী মরোন পুরমক খংবিদহুনা নত্রগা কাউথোক্লনা অরেংদা ইকাইবা পীগনি হাঙ্গবগী কিবনা হন্না হন্না মমাগী য়াহৈ অদুদা য়ৈথৎলম্মী । তৌইগুমসুং মতুংদা মমাগী য়াথংনা কন্দুনা

অর্জুনগী খুয়াদা চংজবা তারবদা বভ্রুবাহননা হাঙ্গীরকই। "তাবিয়ু মাইকৈ ঙাকপা লাই পুম্নমক। নুমিৎ থানা সাক্ষি ওইবিয়ু। ঙসি ইমাগী য়াথং ঙাকনবগীদমক ঐনা মীগী মথা পোনবা য়াবা তাগ্রে। ঐগী ইপা ইবুংঙোনি। হাঙ্গীরিবা অর্জুননা খোঙ্জানবিহুনা লৌশিনবিরমলবদি কৈ; ইমাগী রানা অচুম্বনি হৌনবী পুম্নমক থাদোকনি— ইপাগী য়াথং ঙাকনবগীদমক ইপা ইবুংঙোগী অকবা থবককী তেংবাংনবগীদমক চংচরগে। মাসিদা ঐগী ঐগী জাৎকী হৌনবী কাঙ্গবা লৈরমলবস্ন ঐগী দোষ নত্রে।" অসি হাঙ্গহুনা বভ্রুবাহন নিংথৌনা মপাবু ঈরাংপা হৌনবী পোৎলম পুম্নমকপা লোইননা অর্জুনগী মকমদা চংথ্রে। বভ্রুবাহননা য়াকপা উরহুনা অর্জুননা হাঙ্গীরকই। "মহারাজ! মহারাজগী অচৌবা নতিক নগুন অসি ভারত অপুম্বা শীনবা থুংনা তারে। হৌজিক মহারাজনা খোঙ্জান্দুনা যুধিষ্ঠিরগা লাম্নীনবীরোই হাঙ্গীবিবা অসি ঐখোইগী লাইবক ফবনি।"

অদু তারহুনা বভ্রুবাহননা ঙকতা ফি য়েংলহুনা অর্জুনগী খুয়াদা খুরমলহুনা হাঙ্গীরকই "ইপা ইবুংঙো। ঐনা শগোল অসি থংজদবা মরমনা ফারুবনি। হৌজিকতি ইমানা তাকপিহুনা থংজরে— ঐস্ন ইপা ইবুংঙোনা পোকপিবনি হাঙ্গীবা থংজরে অয়োনবা অরানবা লৈবা পুম্নমক কোকথিগনি হাঙ্গীনা নিংজৈ" বভ্রুবাহনগী ব্রা অদু তাবদা অর্জুননা ঙাইহাক থম্নগা হাঙ্গীরকই "করি মহারাজ! অমুক নমথাক তৌরবস্ন চুমনা মহাঙ্গীবিয়ু। কৃষ্ণনা পাণ্ডৈ ওইরিবা যুধিষ্ঠিরগী অশ্বমেধ যজ্ঞগী শগোলবু অমুকস্ন অর্জুননা ঙাকলিবা শগোলবু কনানস্ন ফারা ঙম্লক্তি, ঙম্নবস্ন মরু কংনা য়াংহৌবা ঙাক্তনি।" অস্নমনা অর্জুনগা বভ্রুবাহনগা ঙাইহাক বাহৈগী লানফম শোকনরে। মতুংদা অর্জুননা চিত্রাঙ্গদাগী মরমদা নত্ত নত্তবা বাহৈ ঙাংঙকপা তারবদা কেত্রিগী ঈ ওইরগী থাংবা ক্রমক্রমা অম্নসুং মমা নিংরগী অয়ুংবা পুকচেননা মরম ওইহুনা বভ্রুবাহননা অর্জুনগী মাংদা প্রাস্থোম ফিংহুনা নোংশাবু ঙমজবা খোঙ্জেননা লাউরকপা অদু তাবদা পৃথিবী নিক্তবা ঙমখিদে। "ঐবু পোকপা নত্রবদি ফরে অর্জুন! ঐনা ইমাগী য়াথং ঙাক্তে তৌরুবদা ইকাইবা কংবনি। ফরে খোকথরবনি। তৌইগুম্বস্নং হৌজিক্তি য়েংনসি মণিপুরগী নিংথৌ বভ্রুবাহনদগী শগোল মুক্তদবদি পাণ্ডবকী অর্জুনগুম্বা লিশিংনি থম্নু থমথ্রো, স্বর্গ, মর্ত্ত, পাতালদা লৈরিবা লাই, মী, হিংসাবনগী হৌরহুন তুমিৎ কাং ফাওবনা নামা লেপথিহুনস্ন ঙম্মরোইদৌবনি।" অসি হাঙ্গদুনা বভ্রুবাহননা মনাইশিংদ শগোল পুশিনথ্রো হাঙ্গদুনা য়াথং পীরমলগা লানগীদমক শেম শাথি

তৌইগুম্বস্নং বভ্রুবাহন নিংথৌগী মমাংদা থাংগদোরা কনা লৈরগে। বৃষকেতুমচিংকা পাণ্ডবকী অকনবা লানমী পুম্নমক মথং মথং তুরে। মতুংদা অর্জুননা খোরকপা উরবদা বভ্রুবাহন নিংথৌন হাঙ্গীরকই "অর্জুন! মহাকী পাণ্ডৈ হাঙ্গীবনু কৃষ্ণনি হাঙ্গীরা ভাই। [illegible] বভ্রুবাহনগা থেংনরদা মতিক চারমগদৌবনি। ফরে হৌজিক্তি [illegible] পৃথিবীদা পোকপা জীবনা [illegible] মাংদা [illegible] ওয়া লৈরোই" অদু তারগনা অর্জুননা [illegible] লোইননা হাঙ্গীরকই 'করি বভ্রুবাহন! নহাকনা তৌরিবা য়াগল অদু [illegible] অমত্রী মকমদা তৌরবদি [illegible]।

মহাক্কী মমিং তাবদা মরোল অহম্মক নিকরবা৹ খাণ্ডববন থাদ্না মৈ কৌবা লাইবু পেজ্জনবা ওমলবা৹ যদ্ শাগৈবু ওমদ্না সুভদ্রা লৌবা ওমলবা অর্জ্জুনগী মাংদা অদ্গুম্বা নাপল তৌবগী রাহৈ ওংভিবা নহাক তোল্লবনি। অর্জ্জুনগী মাংদা লেপ্পা ওমগদবা পৃথ্বিদা কনা পোক্লরগে; করে নশা কক্কনবা লাক্লরো।" অসি হাঙ্গনহুনা লবকুশগী লানকমগুমনা মপা মচাগী মরক্তা অকনবা লানকম থেংনরে। তেনগী নোং চুরে৹ থাংগী জগোই শানরে। তৌইগুম্বসুং বর য়াওরিবা বভ্রুবাহনগী মমাংদা থাংগদৌবা কনানো? বভ্রুবাহননা মাঙ্গ পাকলে৹ মরোল অহম ওমলবা অর্জ্জুনগী কোক মণিপুরদা তারে। মাসিদা গঙ্গাগী শাপ থুংলে।

লৈবাক্কী রুহী

ভেংবানবদা মীওইবগী চৎমরিবা হৌনবী পুম্মনমক অসি খন্দুনা য়েংলুরবদি ওক্কবা ওমদে। হৌনবী পুমনমক অসিনা পুন্হুনা মাসিদা ঐখোইনা থবক অমতা ইনিং ইথা তৌনা তৌবা ওমদ্রি। ঐনা পামজহুনা অমদি ঐগী লৌশিংনা নত্রগা ঐগী রাখনদা অকবনি হাঙ্গনা নিংহুনা থবক অমতং হেক কোংনা তৌরুবদা থবক অহুনা লৈবাক্কী হৌনবী কাঙ্গরমলবদি কনা কবা ওইহুনসু মী ভরানা৹ তৌরুদে হাইহুনা হেকতা পম্বিংঙে। অদ্গা ঐনা পামজলবা নত্রগা ঐগী রাখন্দা কত্তকনি হাঙ্গনা নিংহুনা তৌজনিংদবা থবক অহুসু লৈবাক্কী রুহীনি তৌদকদে হাঙ্গহুনা লৈবাক্কী রায়েল চংওরি। করি অমুক হাঙ্গগনি৹— ভুম্বা চাবনচিংবা লন্নাইগী থবক্তা য়োনা ঐখোইগী ইথক্তা মীগী রায়েল চংবিরি। ঐনা চানবা লৈতহুনা 'ব্রত কৎপা' তাররদা পৃথিবীদা লৈরিবা মী কোটি কয়া অসিগী মরক্তা অমতনসু ইহুৎ শিন্দুনা লামখিরবা য়াদে; তৌইগুম্বসুং হিরম অসিদসু লৈবাক্কা রায়েলবিরি। — লৈরবদি অসুমনা চাও, অসুমনা শেৎলু। নংগী ইমুং মহুংগী নত্রগা বাড়ী সম্বন্ধ কনাগুম্বনা শিরবদি নপীমক তাবা ওমত্রবসু কত্তবা য়াদে; অসিনচিংবা।

লৈবাক্কী রুহী পুম্নমক অসিদি মীওইবগী মহৌশাগী তৌদবা য়াত্রবা থবকদা হাঙ্গবদি নত্তে; ঐখোইনা হয়াওরগা নোকই৹ বারগা কপই মাসি মহৌশাগী হৌনবীনি। ঐখোইনা তৌরোই হাঙ্গবা ওমদে। মাসি খেন্নবা লৈতনা জাং পুম্নমকী মরক্তা উই। তৌইগুম্বসুং মুলীনা লাইহিক ভম্বা চুমজে৹ নিপানা কৈখেন কাবা হৌদ্রদে৹ মৈতৈলোন্না লাই শোনবা লাইনা খংবিদে হাঙ্গবা অসিগুম্বা লৈবাক্কী হৌনবী পুম্নমক অসিগা মহৌশাগী মীওইবগী হৌনবীগা করি মরী থোকপা হাঙ্গবদ্দি ঐখোইনা খংজে। নিপানা পোং য়োক্লবদি মহৈ মরোং থোকতে৹ মুলীনা লাইহিক ভমলবদি শগোল কপ মন্নাই ভাই হাঙ্গবা মহৌশাগী হৌনবী অমা লৈত্রবসু ইকাইবা হাঙ্গবা পুকচেল অদ্না ঐখোইনা মাদ্ ইচং থৌনা তৌবা ওমজে; অদ্গা মাসিগা ইকাইবগা করি মরী থোকখ্রব

লৈবগে হাঙবদগী ঐখোইনা মহুত্তা মরমদি য়াজিদনা ইরুইদিরা অসি উবা অমসুং লৈমবগী য়াংপা নত্তনা করিস্থ নত্তে। অসিগুম্বা খুদম পুমনমক লৈনহনা য়েংলগা খংবা ঙমগনি লৈবাকী রুহী হাঙবা অসি লৈবাকী মীনা খোকথবা খোলোক খরগী মহে 'উহনা মতম মতম অহুগী কান্নগদবা য়েংহনা শেম্বনি। মাসি মীওইবগী তৌদবা য়াথ্রবা থবকমকলা হাঙবদি নত্তে। মতম অমদা ইংরেজী' ডমলবদি মাংন্ডি হাঙরম্মী; পুক্রিংগী অশেংবগা ইংরেজী ভম্বগা কন্নবা মুংনবা লৈত্রবস্থ মতম অহুগী কান্নবা হিরম খরগী মরম মুদ্রা খন্দুনা লৈবাকনা হাঙনখি। তৌইগুম্বসুং মতমগী মতুং ইন্না হৌজিক মীগী থাজবা পুমনমক অমুক ওনখিহনা হিরম অসিমক মীগী অনৌবা পাউভাক ওইনরকলে 'লাই গুরুগী সেবা ঙমনবা ইংরেজী কম্না ভম্।'

লৈবাকী রুহী থুগাইরবস্থ মহৌশাগী মীওইবগী মরমদদি খোইনা কাঙবা লৈতে হাঙবদি চুমই; তৌইগুম্বসুং মাহ্থ কাঙনা চংলবদি অরিং অরাংবা তাই। মরমদি মীওইবা হাঙবা অজিনা ফনা চাওখংপা নাঙবা জীব ওইহনস্থ মাখোইনা চংনরকলবা, থংলবা হৌনবী অমবু খোওইদবা ঙমদে অমসুং তৌনিংদে। মরমদি ঐখোইনা ইচং থোবা য়াংপনবু ওইরবস্থ ঐখোইনা থংত্রিবা অনৌবা হিরম অমদা খুং থিংজিন্নগদবা কি। থংলবা, উরবা, লেপন্নবা হিরম অহুদা য়েংশিন্দুনা লৈনিংবসি মহৌশানি। চেন্নকলিবা ঈচেল অহুদা হঙংনা চংলুদনা করি নত্তবদা অন্নাবা নংঙবগী করি কান্নবা লৈবগে? লৈবাকী রুহী হাঙবা অসি অফবস্থ য়ামনা লৈ, ফত্তবস্থ য়ান্নুনা য়াম্মী। তৌইগুম্বসুং ফরবস্থ ফত্রবস্থ মাদদা ঐখোইনা য়াদবা ঙমদে; ফত্তে হাঙদনা খুং থাঙংলুবা ঙমদে। অহুগা লৈবাকী রুহীগী অফকত্তবা থম্নবস্থ ঐখোইগী বারেংগী মরম নত্তে। মরম অহুনা চংনম্নিবা রুহী পুমনমক অসিগী মরমদা য়াহৈ মণ্ডা তয়াদং ইহুনা বারেং অসিগী পথৈ পীজরগে।

শমনা হাঙরবদা লৈবাকী রুহী পুমনমক মীওইবগী লৌতেংগুম্বনি। লৌতেং হাঙবা অসি শিনিংলগা শিবা য়াই, শিনিংত্রগা তোকপা য়াই; মাসিগা মীওইবনা মীওইরিবা অসিগা খোইনা নকনবা মরী লৈতে। লৈবাকী রুহীস্থ অহু মণাই; মাহ্থ কাঙনা চংলূই হাঙহনা মীওইবনা মীওইত্রোইদবদি লৈতে; তৌইগুম্বসুং ঐখোইনা মাহ্থ কান্নদে হাঙরুবস্থ ঙমদে। মাসিনা মীগী মনিং মথা তম্বদি মাংহন্দুনা মীওইবগী পুনশিদা অক্নবা অমা থোনবি। মরমদি লৈতেং হাঙবা অসিমক্তবু অক্নবা ভাক্তনি। মাদদা মীগী মওং মতৌ কদাইমথৈ থেম্নহনবগে হাঙবা অদদি বাখন চাউবা মীনা খংতি। লিক কোল শিবনা হকচাং ফবগা নকনবা মরী থোক্তবস্থ মাহ্থ পুবগী অক্নবা নত্রগা অরাবা থরদি মরৈত্রে। অহুনা অমরোমদা মাসি লৈত্রবদি মীওইবগী মনিং মথা তম্বা চাওখংহনা খুংঙাইবা হেজংপস্থ য়াই; হিরম পুমনমক্তা থাইনগী সত্যযুগ হাঙবা অহু অমুক লাকপস্থ য়াই। তৌইগুম্বসুং অরাবদি, থাইনগী ইপা ইপুশিং অহুনা তৌরবগুম্না য়ুম কাউথোক্নুনা ইম্নংদা লৈবা অশংবা উহৈ চাহনা খুংলগা থেং, ফংত্রগা তোক্তনা পানবদি মীওইবনা তৌবা য়াররোই অমসুং পাম্বরোই।

পুকচেল চাওরবা আলফ্রেড ।

খুটীগী মাপান্দ ওবা চহি চাদা মরাই য়াইদা ইউরোপকী দিনেমার কৈরবা লাং অমনা মনীং লাকওমগ্রবা লানগী হিংপুরদুনা ইংলণ্ডকী নোংপোক থংবা তোর্ব্বানদা মতো করমনা থুক্তাবা হৌখিবা অমসুং মতৌ করমনা ইংলণ্ডগী মী পুন্নমকপু ওথখিবা, থুসংং পুন্নমকপু থুন্তাক লানশিন্দ্রনবা অমসুং য়াইহেনা হাঙবা থোক্ত্রবা মুথশি হৈতবগা লোইননা মীগী লন থুম পুন্নমক নমহুনা মুনহুনা লৌখিবা ছাজিবহু ইংলণ্ডগী য়ারী পারিবা মী পুন্নমক্তা থংলিগনি। ইংলণ্ডগী ময়াইবক ফবনা অদুগুম্বা অরাবগী মতম অদুদা আলফ্রেডকী মতৌগুমনা লৌশিং শিংবা অমসুং ধর্ম্ম চেনবা নিংথৌনা পাম্নজ্রবদা বিলাতকী করম্বা অরাবা দশা তারমগবা হাঙবদু হাঙবা ফনা লুই। আলফ্রেডনা মহাকী মপু এগবার্টকী মতৌগুমনা ফজবা অমসুং মথৌনা ফবা নিংথৌ ওইরম্মী। মথল মথা অয়াম্বা গুননা লৈতেংভি হাঙবগীদমক ইংলণ্ডগী ইতিহাসদা মহাকপু আলফ্রেড দি গ্রেট নত্রগা পুকচেল চাউবা আলফ্রেড হাঙনা থংনৈ।

মাহাকী মহৈ তম্বা পামবগী মরমদা বারী য়ামনা লৈ আলফ্রেডনা নহা ওইরিঙৈদা নোংমা মমাগী মখুৎতা ফজরবা লাইরিক অমা উরদুনা মপুকনিংদা পামলম্মী অমসুং মমদুগী হেন্দোকতুনা মচিননা থোকনা নিরকলে। মমানা মচা পুন্নমক কৌরদুনা হাঙরকই, "নখোইস্ত্রি মরকতা অহান্নবা পাবা ওম্বা মীনা লাইরিক অসি ফংগনি।" অদুগী মুমিৎতগী আলফ্রেডনা মপুকনিং য়ুংনা হোৎনদুনা থুনমক লাইরিক অদু পাবা ওমথী। অভাংদি লিংথাম্বা থংভি হাঙদুনা মাসিনা আলফ্রেডকী তুংদা লাকদোরিবা পুনশিগী মরমদসু থুদম অমা ফংবা য়াই। আলফ্রেডনা ইশৈসু য়ামনা পামলম্মী। আলফ্রেডনা ইশৈ শকতুনা মমানা মাগী মতুং ইন্না যন্ত্র থোংহুনা মাগী ইমুংদা স্বর্গগী মুংভাইবা অদু ফংবা ওমথী।

তৌইগুম্বসুং তমথিরবা দিনেমারশিংনা ওৎপনা আলফ্রেডকী মহৈ মশিং তম্বা অমসুং ইশৈ ঔরাইবগী য়ৈথাইবা ওইথী। নিংথৌগী সিংহাসনদা ফমদুনা যায়েনবা হৌরবমতদহু ইংলণ্ডগী মীনা দিনেমারশিংবু কিবনা মাহাকপু নিংথৌনি হাঙহুনা ইকাই খুম্নবা য়ৌনা ওমথিদে। মাহাক্না অচম্বা কি শেৎলহুনা লোম্না লৈবা তাখি অমসুং সমায় সায়ারগী মহুংদা যণ শেনবা নিপা অমগী ময়ুমদা লৈহুনা চাম্নবা মরুপ থরগী থৌজামা লৈবাকী বা পুন্নমক ফংহুনা ইংরেজ লাম্নী থিম্বা লাকনরম্মী। যণ শেনবগী 'ময়ুমদা' লৈরিঙৈদা থবক্তা মাই ওথোকপগীদমক যণ শেনবগী মকুনা মাহাকপু য়াম্না ওাং-শকথী। "বারী অমা" লৈ—নোংমা যণশেনবগী মচু অহুনা ভজ থবা থাংদা থেংনলমলগা আলফ্রেডদা শিন্নরমদুনা থবক অতোম্বা অমা তৌথিরম্মী। তৌইগুম্বসুং আলফ্রেডভি লানগী বাখল তৌরিঙৈদা তলগী বাদি কাউথোকখিদুনা অদু অদুনা নাংগ্রে। যণশেনবগী মচু অদুনা চংলকলগা য়াম্না অয়াকপা বাইনা চৈরকই, "তৌইগুম্বসুং মতুংদা নিংথৌনি

হাঙ্গবা থংলকলবদা মাহাক্কী খুয়াদা তুরদনা ঙাকপিয়ু হাঙ্গদনা নিজরকই। "এগী লোয়না মংগী ডল যাংখিবনি। নখোইনা ঐবু হুংঙাইনা অমস্তুং মুনা য়োকপিরিবা অসিগীদমক নখোইগী লমন তোক্লুনা লৈরিবনি" হায়দনা আলফ্রেডনা মাখোই অনিমক্তগী বিদায় লৌরগা লান চংখিরম্মী। অকনবা লানফম থেংনরবা মতুংদা দিনেমারশিংবু তাস্থোক্লুনা লৈবাকপু মপানগী য়েকনবদগী কনবা ঙমখী।

আলফ্রেডনা অহুমশুবা দিনেমারশিংবু মাঙ্গথীবা পীরবা অমস্তুং লৈবাক মপুক ঙাপনা থমলবা মতুংদা অমুক মহৈ মশিং তম্বগী মরমদা পুকনিং চংলকলে আলফ্রেডকী মহা ওইরিঙৈদা মহৈ তম্বা পামশিনবগী হুনখিবা মরু অহু হৌজিক পাম্বী ওইনা হৌত্নুনা মরৈবাক্কী কামনবগী মশক ওইবা নিংথিবা শকফম ওইররে। মাহাক্কী মরুমদা থুপ্তনা ইংলণ্ডগী মীনা মপানগী য়েকনবগী মশক ওইরবা চাকলবা মৈশাদগী ইংনরে হাঙ্গবতা নত্তে। মাহাক্কী হুংশিবা অথুম্বা মহৈ মরোং চাত্নুনা ইংলণ্ডগী মীনা চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিনবগী খুদোংস্তু চারে। ইংলণ্ডগী মীবু মাহাক্না মহৈ তম্বদা হেনিংবা পীবা অমস্তুং প্রজাগী মহৈ তম্বদা খুদোং চানবগীদমক শেল য়ামনা তিংবা মফম মফম দা দিংদা লাইব্রিক তম্ফমশং লিংখৎপা, লাটিন নত্তনা তমনিংঙাই লৈরমদবা ইংরেজশিংগী তম্বদা খুদোং চানবগী লাটিন লাইব্রিক পুন্নমক ইংরেজীদা হন্দোকপা মশানস্তু অক অফবা লাইব্রিক ইদনা লৈবাকক্কী মীগী মরক্তা মহৈগী কাম্নবা শন্দোকনবা লাকনবা পুন্নমক অসি খল্লুরবদি ইংলণ্ডগী নিংথৌশিংগী মরকতা আলফ্রেডকী ফম্বাননা কদাই মথৈ রাংফম থোকপগে হাঙ্গবদ রাখল চাউবা মী পুন্নমক্তা খংদবা লৈতে।

লম অসোমদদস্তু নত্তনা মাহাকনা মরৈবাকক্কী চাওখংননবগী লম অতৈদস্তু থৌশাদবা তৌদে। ঈশিংগী লানফম থেংনবদা য়েকনবগা মাইয়োকনবদা য়ানবা অফবা ছি শানবগী অহানবা পাম্নে শেম্নস্তু আলফ্রেডনি হাঙ্গবদা লানবা লৈতে। মাহাকনা হি পুম্নমক অহু ডিনেমারবু তাস্থোকনবগী থবক্তদা শিজিন্নদে; ইটালী অমস্তুং ফ্রান্সনচিংবা অতোপ্পা লৈবাকতা হি পুন্নমক অহু থাত্নুনা ইংলণ্ডদা থোক্লবা— ছাপা নম্বা লাইব্রিক, অতৈ অতৈ কান্নগদবা পোৎ পুন্নমক লৌরুনবা অহুমনা মরৈবাক্কী মীশিংবু অতোপ অতোপ্পা লৈবাকতা থাত্নুনা মীরৈবাকক্কী হৌনবী 'আচার ব্যবহার' মহৈ মশিংনচিংবা তম্মদনা হৈরক শিংলকনবগী থবকতস্তু শিজিন্নদনা মরৈবাকক্কী ঙমথৈ লৈত্রবা কান্নবগী থবক পুন্নমক তৌদনা মী পুন্নমকক্কী তৌবিমল থংবগী মফম ওইখি।

অহুমনা নিংথৌ আলফ্রেডনা মখল মথা অয়াম্বা লৈবাক্কী কান্নবা থবক তৌবনা ইতিহাসদা অমাং-অতা লৈত্রবা এমিংচৎ পুন্নমক থনমহুনা চহি কুনগা মাপল ইংলণ্ডগী ফরাস লৈত্রেংলমগা। শিখি। মাহাকনা শিন্নমদাইদা মচা এডবার্ডপু-কোরদনা মরৈবাক অমস্তুং মাহাক্কী জাংগু হুংশিয়ু অমস্তুং প্রজাগী মফমদা অহুম্বা ব্রায়েল পীনবা লাকনৌ হাঙ্গবগী মরমদা হুমা হুন্না পাউতাক পীরম্মী।

অ্যালেকজেণ্ডরপু ইংরাজ জাৎনা হুংশিবগী মরম করিনো? মরম অতৈ থংদে, মীবু নংনা পুকচেল তিংনা হুংশিবা হৈরবদি নংসু শোইদনা মীগী হুংশিবগী খুদোল ফংগনি। মাসি তেংবানবগী হোৌবীনি, তেংবানবগী নিয়মনি। ঐখোইনা শিঙবা নিংথৌ আলেকজেণ্ডরপু কৌথহনা অতৈমক ওমত্রবসু ভক্তিগী চন্দন মথৈদং নত্রগা হুংশিবগী লৈরাং মথৈদং কংপা পাম্বিবা অসি করিনো? মরম অতৈ থংদে মীবু হুংশিবু মীবু চান্নু, মীগী কনবা মীগী কান্ননবা লাকনৌ; নংসু শোইদনা মীগী হুংশিনা ফংবা ওগনি। মীগী অকবা মিংচৎ হাঙবা অসি মীনা হুংশিবগী মথৈনি; নংসু মীবু হুংশিল্লু মীনসু নংগী হুংশিবগী লমন খুম্নগনি— চহি লিশিং কয়াগী মতুংদসু থমোইগী লাইশাংদা নংবু ঈরাৎথবগনি।

অতনবা অমস্তুং মপুগী শিনুশং।

তাইবংপানবা অসি অওইবমক মাবু শেম্বা মপুগী শিনশংনি। লৈহাও কারবা লৈপাকতসু লাংগোল য়োৎলম ফাৎতুনা মক্ক হুন্দবা য়াদে। পাম্বীদগী লশিং ফংডি হাঙৈহনসু লং ওইনা হেকপা য়াদে; নাইহনা মেৎতুনা মাহনা মতিক চাবা ফি শাগদবনি। লৈহুংদা থাতু লৈ হাঙৈবদি চুন্মি; তোইগুম্বসুং মাহু ফুকতুনা শিজিন্নবা খুজু খুলাই অমস্তুং ফিজেৎ লৈতেং শাদবা য়াদে। অদুনা ঐখোইনা হাঙৈনিংডি— তাইবংপানবা অসি থাংগৈশেংবা মপুগী শিনশংনি। অদুগা যেংং কোরৌ হনবনা য়াঙ্গোই খুরুপ থৌদনা তাইবং মালং কোঙৈরি। অমুক কোরৌ হনবনা নোংচুপ চীংয়া হেক থাখিবগা অহিংগী অতিয়াদা থা অমসুং থরাম্মিচাক লিশিং কযানা (চাকশিন্নবা) থোকতুনা মপুগী পুকনিং ফোংদোকলি। নোইবী চীখাং কাখৎলু, অমম্বা গুহান্দা চংশিল্লু; উবা ফংগনি— তেংবানবা অসিমক্তবু মাবু শেম্বা মপুগী শিনশংনি। ককচেং থোইয়া পিকপদগী পিকলবা (পরমানু) যৌনা মপুগী য়াথং মথা পোল্লিবা তেংবানবা অসিদা মীগুমনা চাওখৎপা চামগী মপু ওইরিবা জীবনা ফমনবা লাকপনি অমসুং ফমহনা মিংশেন্দা শকথম অমুক্তং য়েংলগা হেনগদৌবনি হাঙৈহনা খনগবদি খগুবনা লানবনি।

অদুনা অতনবা হাঙৈবা অসি থম্মোই লৈরাংদা তোংবা তীনগী মশকনি। অপংবশিংনা অত্রনবু অবা পোথানফমনি হাঙনা মিংবা য়াই; য়াথজেলবা পাকশিংনা মাসিবু অকম্মুংডাইগী থককনি হাঙৈনা নিংবসু য়াই; পুকচেল লেগুবা অশিংবা মীনসু পুকনিংদা মাহাকী হুংডাইনা অহ কাওনা মীঙাজা পাউতাকনবা য়াই; তোইগুবসুং ঐখোইনা থাডি, মাসিনা তোংখ্রবসি তীন চাবা লৈঙাগা কেন্দুনা থম্মোই অসি শোইদনা লৈথা ডাই। নহা ওইরিঙৈ গুরুগী খাথংনা

কাউত্রিডৈ, হুংঙাইবা মতুনা অয়াবা বাখল খঙ্গিডৈগী মতম অদুদা মাগী লৌশিংগী মৈরানা লৈবাক ঙাময়রনি হায়না নিংশিংখ্রবা অভাং কয়ানা অতনবদগী মীগী মচাক চাদ়না লৈখিবা, মাগী মরুমদা মনা পুংবা বটকী মতৌগুমনা অয়া অনা তাবা মী পুন্নমকী চংজমফম ওইররগনি হায়না নিংনরম্বা কয়ানা অতনবদগী মীগী লুখাক চাদ়না লৈবা অমদি মাগী পাম্বোম শত্তোকলকপা মতিক মগুণ উবদা মী কয়াগী থগ্মোইনা হরাওবনা জগোই শানখ্রবা, মাগী মিংয়েং অমতনা অতিয়াদা কুপ্পা নোংথাংগুমনা মী চামগী মিং কুপহৎপা ওম্বা, মাগী মচিন্দগী থোরকপা মরাহৈ থন্নতনা মী লিশিং কয়াগী পুকনিংগী ঈপাকতা অনৌ অনৌবা ঈথক হৌহল্লিবা ঐখোইগী নিংনফম ওইবা মী কয়ানা অতনবদগী ভিক্কাগী বুলি পুদুনা চৎপা নত্রগা কৈগুমশংদা তাদুনা লৈবস্ত উগ্রে। অওইবমক অতনবগী বা অসিদি ফাগি জুগাই তৌদুনা হরাওনফম থোকতে ; মরমদি অহানবদা মাগী ময়াইনা ফনা কন্দুনস্থ অশিংবশিংনা "পেম্মা য়েহ্লো ফবী, য়াঙ্গেন তোলোই য়েংনশি" হায়দুনা করেম্নবা অসি থাদোকপা ওনদে।

অতনবগী মমিনা হেক তাবদা পুনশি অসিমগী হোৎনফম থোকপা পুন্নমক অমুক্তা ওইনা মাংই। ঈশ্বরনা নঙোন্দা মিং পীবিরমই ; নংনা মিং অদুদা উফুল চাইশিন্দুনা মিত্তাংবা ওইদুনা লৈরি। লাইনা নংঙোন্দা নাকোং পীবিরম্মী তৌইগুম্বস্নং নংনা মাদুদা য়োৎশিংঙোৎ থিঙ্জিন্দুনা পংদুনা লৈরে। অদু ওইরবদি কনাগী অমাংবনো ? লাইনা পীনবিরমলবা খুৎনা খুৎকী থবক তৌরবা অদুগা বাখল্লা মাগী থবকতা শীজিন্নরবদি মাখোই অসি অওইবমক লৈতেং তারে। অদুদা অমাংবনা কনানো ? নহাক মশানা নশাগী চাওখৎপগী লম্বীদা শো থাকচবনি। নশাগী শরুক খুদিংমক অদুবু নশানা শিজিন্নফম থংত্রবদি নশা অদু অরেম্বনি। তৌইগুম্বস্নং অসি পুন্নমক উরগা, অসি পুন্নমক তারগা ঐখোইনা খংভি — "তেংবানবা অসি মপুগী শিনশংনি।"

মাদুস্থ ফরি, অতনবনা মশাগী মাংনবতা ওইরবদি হায়নিংঙাই অমস্থ লৈ—নোমদুনা নশা হুংঙাই-জনবা হোৎনৌ, নংনা ঐঙোন্দা পৈশা য়োংতোংবা অমতস্থ নত্রগা চেং খুয়া অমতস্থ চাও হায়দুনা পীবিরগদবা লৈতে ঐনা তন্দুনা খিন্দুনা লৈজগে, ওকশমদা ছুরিনা থিনজগে, খুজিন্দা তুম রৈশিজগে, নংনা নাবিরুরিবা করিগীনো ? তৌইগুম্বস্নং মাদু তাদুনস্থ ঐখোইনা পেনবা ওমদে। মরমদি নংগুম্বা মী অমমম কয়ামক্কমনা জাৎ অসিমা থোকখ্রিবনি। জাৎকী মরক্তা অমনা অমগী মতেং পাংবা নত্তনদি পানবা য়াদে। লৌউবা য়াওরবস্থ ফি শাবা হিংবা ওম্মোই অদুগা ফিশাবা লৈত্রবস্থ লৌউবা মীস্থ পানবা পানবা ওম্মোই। অমুমনা মহৈ মহৈ মানা মানা হৈবা মানা মানা ওম্বা থবক তৌদুনা জাৎনা নোংম নোংমগী চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিললিবনি। অতনবা নং হায়রু, ঐদি লৌউবা তল্লি— চাক চারোই। ফি শাবা হৈতে উফু শেৎজগে। শম ফকপিগস্থ জটা পুজগে। তৌইগুম্বস্নং নংদি অদুদি নত্তে। নারৌশিংবা ওইরবস্থ, নপাঙ্গম্মা ওইরবস্থ তৌদুনা হোংবা অদুনা উবা ফো চারি, চাউবা অদুনা শাবা ফি শেৎলি। অদুনা নংগি পীখোকপা কৌবা হৈতে, লৌশিনবদা থংলি। মীনা থংদনা

মীনা উজবা জাংকী নকথুম ময়েং তাহল্লি অমসুং চাওখৎপগী লম্বীদা লৌ থাকলি। ঐনা কাল্লেনগী লুংশা, রোকতিংগী উম থাংহুনবা নোমজি; অহুগা মংনা লাইফাইবদা থাগী চৈনম চৈনবা চুরবা মোন্থুম মোন্থেক মথক্তা হিপতুনা ঐনা তাজবা অত্থু চাবা য়াওবিরি। অওইবমক শাওনিংফম থোকই। চাকচংদাং অমতং নোম্মবগা ঐগী নোংমগী ওকনবা কংজগলোবা ঐনা নোংমা চুপনা নোম্বা ঙাম্লিবা অসি মহাক অমসুং নংগুম্বা অতনবা য়াম্বনি। অরাংপা কৈগত্রা হাঙীবগী কিখনা ঐখোইনা মোংজু লুংশা থাঙীদনা লাঙল য়োংলম ফাংলিবা য়োংলৈ নোংথাং শারিবা অসি উরবগা থম্মোইনা মনকৈমগী থোজানগী মিংয়েং ফংকম থোকই হাঙীনা নিংঙি; তৌইগুম্বসুং অহুমকক্তা অতৎপা লৈতনা অরা-অনংবগী চৈনাখোল ফংলিবা অসিগী মরমবু নহাক্তা অমসুং নহাকী মফল অতনবা মী থবগী থোজাম্লনি। ঐখোইগী জাৎ অসি তাইবং মীগী হকচাং অমগুম্বনি। নংনা জাংকী হকচাং অসিগী খোং ওইরো; মরে, ঐনা মাল্লগী থুং ওইরগে। তৌইগুম্বসুং খোং নংনা খোংগী থবক তৌত্রবদি ঐনা থুংকী থবকা লোইনা লোইননা করিগী খোংগী থবক তৌরুগনি? মরম অদুনা অতনবা হাঙীবা অসিদি জাংকী হকচাং অসিদা ওকশমদা থংবা ঘীগুম্মনা য়াম্দুনা লৈরি। কাম্নবা মরম লৈতনা মাগী অকম্বা অত্থু পূহনা ঐখোইগী জাৎনা নোংমা নোংমগী কংশিল্লি।

মথক্তা হাঙীত্রিবা অতনববু ক্লুংঙাইবগী থুদমনি হাঙীনা নিংথিবা মীশিং অত্থুগী মরা তারগা ঐখোইনা নোকনিংঙি। মরমদি তেংবানবা অসিদা থবক লৈতবগা মাম্নমা য়াবা থবক অমা লৈত্রে। অমৃত থকই—হুগুমনা থাই; তেরা মোম্পাক্তা হিপ্লি তিম্বংনা থিল্লি। অতনবগী লৈনফম লৈতে, ম্লুংঙাইনফম থংদে। ওলাংথাগী মৈবুন হৌরবা কোরৌহনবগী মৈশানা হকচাংদা ক্ষুমাংগী ঈরা গৌরবদা নিংঙি—নোংজুথাগী লাঈজ ঈনৌ লাংলগা চন্দন থিকপা লৈরাংগুমনা অরা মৈচাক কোকখিগনি তৌইগুম্বসুং কুমগী ঈনৌদা নোংনংবা উচিগুম হেক নংবদা বসন্তগী থাগী মুংশিং নামিবনা রৈরবদি অত্তা পোথোকনগনি হাঙীনা নিংঙম্মী তৌইগুম্বসুং মশানা মশাদা ম্লুংঙাইকম লৈত্রবদা মপানগী মালংবনা করমনা মাগী অরাবা কোকনগনি। ওালম্মী মমৎও, মঙ্খম্মি ওালকলে, চীংথৈ কিহুপ হুয়ে, কাকী লানবাউ শিল্লকলে; মপুগী থবকী লম্বীদা ম্লুংঙাইবগী ঈচেননা চাংজো থুমনা চেল্লে। হৈরবদি পূকনিং তুক্লুং হরাওবা য়াল্লে। তৌইগুম্বসুং অতনবশিংগীদি ম্লুংঙাইবা শরুক তমজে। অমম্বা অহিংদা কুপ্পা নোংথাংগুমনা চিনুবান্দা অর্থ লৈতবা মীনোক লৈর্‌াংনা পুঙ্গোই ফারনা শাংলবসু মনিং হোবা উতোংগুমনা মফমদা কর্ত্রিমতা লৈহৌদে। অওইবমক মতিক চান্না নোমলবতদা তুম্বা ম্লুংঙাই, চাবা হাউই। কন্নিনা হাঙীববু মপুগী লোইশং অসিদা অতনবগী মফম লৌতে।

অহুগা অতনববু অচৌবা ম্লুংঙাই য়াইফবগী থবকতি হাঙীনা নিংথসু আম্লি। মরমসি, মাখোইনা মনিং মশা ওয়া, পুকচেল চাউবনচিংবা মীওইবগী অফবা পুকচেল গুম্বমক অসি অচৌবগী ঙাকনবা

মরি লৈ হাঙ্গবা থংলমলবদি অক্তনবা তোক্নুনা থবক্তা খুং পাঙ্গরমগদবনি। মরমদি— মাখোইনা অাইরং মীমোক চংবা, মশাগী পোৎলুম মীগী লেংবান্দা খোংবিবা, ইমুং মচুং থাক্কনবগীমমক মীগী শাক্টগং অাংবসি অশিকপগী থবকনি হাঙ্গনা নিংলমলবদি মোয়দা পুকনিং চংহনা অতনবগী মরমদা তাথীরা চাংলমগদবনি। মাখোইনা মপুগী য়াথং থৌশাদহনা, লৈবাক রায়েল কিদহনা অত্তমমগী পালকী থবক হুয়ানচিন্নীবনচিংবা তৌবসি মশা লৈখা তানবগী থবকনি হাঙ্গবা বাথল অসি কংলমলবদি নোক্বা কনবগী অর্থ অচৌবগা অমত্তনি হাঙ্গবা থংলমগদবনি। অতিরাদা পাইরিকা রেলুন, হুংশিংকী মমাং থানা চেল্লিবা রেলগাড়ী তাইবং পুকনিং শুক্তাংলিরা হুংশিক্কা বারেং অসিনচিংবা পুন্নমক অসিগা নোক্বগা নক্নবা মরী লৈ হাঙ্গবা থংলমলবসি মাখোইনা অচৌবা হাঙ্গবা অসি নোঙতনি হাঙ্গবা থংলমগদবনি।

অহুগা চহিদি নহা নত্রবস্থ লৌশিংদি নহা ওইরিবা মীশিংনা পাউতাকনবা তাই,— লাইনা য়াৎপা থয়াংনি— পোকওমদনা পোকলবা মপোক্তি, হুংঙাইহৌ। তৌইগুম্বসুং মাখোই অহুদ ঐখোইনা অমুক্তা হাঙ্গনিংঙি— তাইবংপানবা অসি মপুগী শিনশংনি। নংনা হৈবোং মথাদা হিপতুনা লৈরগা নোংদম্বা বিধিনা লাইরৈবাকতগী কুমথরক্তুনা ননাক্তা নোংদম্মো হাঙ্গবসিদি য়াম্না লানবনি হাঙ্গনা ঐখোইনা নিংঙি। মীওইবনা অসুমনা পুনশিগী অৱাবা ঈপাক্তা থোং নামতং হেক থাংজিল্লকপদা মহৌশা হাঙ্গবী লাইরেম্বীনা নাপচিকনা পাউতাক পীই— তনগনু, থবকতা মাঈ ওনশিল্লু; নত্রবদি নংগী থম্মোইগী পোখাফম লৈরোই। মীওইবনা অসুমনা চংনা শিব মীগুমনা ঈহৌরকপদা তাউবা নাপীগুম্না তাউহনা লৈরবা, হৌগৎকে হাঙ্গহনা হোৎনবা য়োন তোকলবা মতমদা ককচেং খোইয়া, উপান বাপাননচিংবা পুন্নমক্তা নাপচিকনা মপুগী পুকনিং তাকপি— তনগনু; মতমনা লৈরিঙৈদা হৌগৎহৌ; হৌগতনা মুপা থৌদাং য়েংহৌ। মপুগী শিনশং অসিদা অতনবগী মফম লৈতে।

য়ুহারাবা অমসুং মৈপী চীং

য়ুহারাবা হাঙ্গবা অসি তেংবানবদা অওকপা থৌরম অমনি। পুকচৎ ঈফাইবনচিংবা অনাবা অহুগা অকনবা হুংশিংনচিংবগী মতৌগুমনা য়ুহারাবনা কদাই ফাওবা মীগী মাংনবা তৌবা ঙম্বগে হাঙ্গবা অহু হন্দকী জাপানগী য়ুহারাবগী রারম পারগা নত্রগা তারগন্থ থংবা ঙমগনি। মীওইবগী মাংনবগী মশাক ওইনবা মহৌশাগী থোথোক অতে অতে অসি অয়াম্বদি থোকলরনি হাঙ্গবা থংজোননা থংরা ঙম্মি, কিহৌনবা মতম ফংঙি অমসুং কিহুনা মাহুদগী কনবা ঙম্বা থৌরাং তৌজহৌবা ঙম্মি; তৌইগুম্বসুং য়ুহারাবা হাঙ্গবা অসিদি কনবা মতমদা থোকদগে হাঙ্গবা থংবা

ওমদে ; করিগুম্বদা লৈবাক মচেৎ অমা কাইদ কাইদ হাইহুনা তোকই করিগুম্বদগী অকিবগী মথক ওইনা হাইহুনা লৈবাক মাংতাকনবা তৌই। — করিগুম্বদা অচোবা দোলাল, মন্দির পুম্নমক লৈম্নুংদা ফুমজিন্দুনা মাং তাকহল্লি, করিগুম্বদা মমাগী তম্পাক্তা হিপতুনা থোমলাং অমুত থল্লিবা অঙাংগা লোইবনা লৈম্নুংদা ইনশিল্লি, করিগুম্বদা গুংঙাইনা তুমথুল হন্দুনা লৈরিবা পুম্নমক লৈম্নুংদা ফুমজিন্দুনা খুন্তাক-লানশি থোকহল্লি। ঐখোইগী ইপা ইপুশিংনা লাপনা থোকখ্রবা থবাম্মিচাককী মরমদা মুম্না খংলম্মী। করম্বা কানদা অতিয়াগী করম্বা মফমদা করম্বা গ্রহ থোক্লকনি হাঙবা ফাওবা চহি তরাগী মমাংদা উবা ফংডি। তৌইগুম্বসুং ওথা থেক্ত্রাগী দোফনা ওইরবা য়ুহাম্নাবগী লাইরিকতদি থম্বিরমদ্রে। মরম অতুনা লৈপাক পুতুনা লৈম্নিবা ওক শননচিংবা লাইশিংদ শিম্নবা নত্তনা তৌনিংঙাই লৈত্রে। ঐখোইনা ঐখোইগী লৈবাকী থাজবা অসিদা ফনা পামজব লৈহুনসু মরৈবাককী রাসু থরা মতানিংডি। মাসিদা ময়াংলৈবাকী অহল অমনা মতম অমা ঐঙোন্দা হাঙখিবা অমা নিংশিংঙকই— ঐখোইনা অতিয়াগী মরমদা হেম্না থংডি মরমদি ঐখোইঃ শিরগা দাহা তৌবা অসিনা মৈথুনা অতিয়াদা পাইখৎতুনা মাহুগী মরমদা থংজিনবা হেল্লি সাহেবশিংনা লৈম্নুংগী মরমদা থংবা হেল্লি ; মরমদি মখোইগী মপা মপুদি লৈম্নুংদা ফুম্বা ঙাক্তনি মাসিনা ফনা বাহৈগী বাহৈ ওইহুনসু মফম অসিদদি ফনা মতা চাই। ঐখোইগী ইপা ইপুশিংন য়ুহারাবা অসিগী মরমদা মতমগী মত্তিক চাবা পাউথুমদি থম্বিরমদ্রবনিনা মাখোইগী রাসু মথম্নি

মরম অসিনা হৌজিকতি ঐখোইনা থংবা ওমলে, য়ুহারাবা হাঙবা অসি থৌশাদবা য়াবা থবকতি থোকত্রে ; ঈশ্বরগী অঙকপা থৌরম অসি ঐখোইনা থাম্বামক ওমত্রবসু মাসিদগী কনজবা ওমনবা পাম্বে থিদবদি অরানবা তাই ; তৌইগুম্বসুং অরাবগী হিরমদি মাসিগী পাম্বে ঐখোইনা লাম্বা ফংত্রি। হৌজিক ইউরোপকী হৈশিংলবা পণ্ডিতশিংসু মাসিগী মরীদা মিৎয়েং চংশিন্নব হৌরকলে অমসুং মাখোইগী অকুপ্পা রাথননা ওম্বোক ওম্বোকপা মরু ওইবা হিরম কয়াসু ফোংদোকলে মাখোইনা পাকলবা পৃথিবীগী মানচিত্রদা য়ুহারাফম থোকপা মফম পুম্নমক লৈই চিংহুনা তাকলে তৌইগুম্বসুং অসি ফাওবা অসিদা ঐখোইনা থংবদি মাখোইনা হাঙবা মফম পুম্নমক অশোঙবা নাইদনা য়ুহারাগল্লি হায়বা চুম্নি ; তৌইগুম্বসুং ঐখাইনা বাকদি মফম পুম্নমক অহু নত্তনা পৃথিবীগী মফম অতে অতৈদসু য়ুহারাহুনা য়াম্না মাং তাকপগী পাউ তাবা ফংডি। চহি কয়া মরুম গুরে ইউরোপকী মমিং চৎলবা ডাক্তর অমনা য়ুহারাবগী মরমদা মুম্না থন্দুনা অচুম্বা হিরম কয়া মরুম ফোংদোকলে অমসুং য়ুহারাবগী মমাং থরা মাংজোদনা থংননবা পাম্বে শেমলে। মাহাক্না অহানবদা নিংথিরম্মী শা উচেকনচিংবদি মাখোইগী মহৌশাগী ওইবা লৌশিংনা য়ুহারাগ্রিঙৈদনা মাসি থংহুনা ওম্বোক ওম্বোকপা থুদম তাকই। তৌইগুম্বসুং মাসি অশোঙবা নাই হাঙহুনা মাহাকনা ওম্বোকপা যন্ত্র অমা শারে ; মাহু য়েংলবদি মাংজোননা য়ুহারাগনি হাঙবা থংবা ওমনৈ। মাহুক্না মখোন থোকপা শরিবনচিংবা পান্দুনা মীবু চেকশিনজহৌনবা তাকপিবা ওম্নলে।

ঐখোইগী ইরাইবক ফবনা মৈগী চীং হাঙ্গৈবা অসি মিৎনা উবমক ফংঙ্গবস্থ শিকলিঙৈদগীনা পৃথিবীগী বারম তপ্পদা "খংবা" ওমলে। "মৈগী" চীংগী মৈ খোকপা অসি য়ামনা ওকপা থৌরম অমনি। করি করিগুম্বা চীংগী মৈথোক্রকম মখুনদি ক্রোশ অনিহম পাকপস্থ য়াওই। মাহুদগী অতৎপা লৈতন্না মৈথু, মৈরী ধাতুগী খোৎলগ অতৈ অতৈ অতিয়াদা কাখৎলি, পণ্ডিত্রশিংনা হাই মৈগী চীং অসিগী য়ুহারাবগী য়ামনা অকনবা মরী লৈ। অহুনা মৈগী চীং লৈবা মফম পুম্নমক অহু য়ুহারাগদ্রি; জাপানদা কুসিজাক্স হাঙ্গৈনা কৌবা মৈগী চীংজাও অমা লৈ, অহুনা মফম অতুদা য়াম্না ভোঙ্গৈনা য়ুহারাই। তৌইগুম্বস্থং মৈগী চীংগা লাপনবা মফমদস্থ য়ুহারাবা করিননো হাঙ্গৈগনি—লৈপাকলৈমগী মমুংদা লৈবা মৈশাগী মরমদদি ঐখোই পুম্নমক অপং অশিং থাঙ্গৈদনা থাজবা ওম্মি। মৈশা অহুনা করিগুম্বা মরম অমদগী হেন্দোরকপা নত্রগা করিগুম্বা অঙ্গৈংবগা থংহৌদনা শোকনবনা মৈশা ফুদোক্লকলগস্থ লৈপাক নিকই অমহুং য়ুহারাই। নোং কম্না তারগা মুংশা হেক শাবদা, য়ুহারাগনবা মরম অসিনা ওইবস্থ য়াই, মাসিদা য়ুহারাবগা "চাকঙা" হোংবগা য়ুহারাবগা "চাকঙা" তাংবগা মরী লৈত্রে হাঙ্গৈহুনা শাওনিংবা মীদস্থ ঐখোইনা থেমজিনজনিংঙি মাসিগী মহৌশাগী ফৌথোক ঙাথোক্না মরী লৈবা লৈতবদি ঐখোইনা থংদে পৃথ্বি পুবা ওকনচিংবা খোইম্নুম লাইরেম্বা লাইরেম্বীগী দোষ নত্তে হাঙ্গৈরবতনি। ওহোকপনি মতমগী মতুং ইন্না মীগী থাজবস্থ ওনত্রে।

হৌজিক্তি মৈগী চীংগী মরমদা য়াবী অমতং লীহুনা রচনা অসি তেনশিন্নগে। মৈগী চীংগী মৈ চাকপস্থ অহু মঙাই, করি করিগুম্বদস্থ মৈরী থোকনা চাকই, ধাতু মহি চেম্বহুনা চীখাদা তাবা খুঙ্গং মাংতাকহল্লি; করিগুম্বদস্থ মৈ মুত্তনা চিংজম ওইনা লৈ। ইটালীগী মনাক্তা বিবুভিয়স তাঙ্গৈবা মৈগী চীংগী য়া খুাই পুম্নমক তাররিগনি। থাইনা মতম কুইনা বিবুভিয়স হাঙ্গৈবা অসি মৈ মুত্তনা লৈরম্মী। মাগী মখোংদা চীংয়াদা ফজ ফজবা সহর শেমগত্তনা মী খুন্দাবা হৌথি; মাদগী মরক্তগী কুয়া দোলাননচিংবগী নিংথিজবদা, পাম্পিয়া সহরগী মমিং পনবনা চুম্মি; নোংমা থংহৌদনা মাগী মৈ চাকপা হৌদনা মাদবগী থোরকপা ধাতুগী মহি, মৈরিকনা য়াক্লবা গন্ধকী মনমনা, অমহুং মাদগী জোইনবা অকনবা য়ুহারাবনা সহর পুম্নমক তাম্নবা মীশিংগা লোঙ্গৈননা লৈম্নংদা ফুমজিনথি। মাগী য়াম্নী তারবস্থ নত্রগা লাটরিকতা পারবস্থ হৌজিক ফাওবা মীনা লৈম্নংদা ফুমজিনথি। হৌজিকতা চহি লিশিং কয়া পাম্পিয়ানচিংবা সহর পুম্নমক অদগী মরমদা থোইনবু নিংশিংনরুত্রে। হৌজিকতা চহি লিশিং কয়া চংগ্রবা মতুং অসিদা পণ্ডিতশিংনা পাম্পিয়া সহরগী খুদম থিদনা লৈম্নুংদগী ফুকংলে; মাগী ফজবা ফুরাদোলান অমহুং অপাকপা লম্বী থোংনচিংবা অদ উবদা লংফৈ চংপা মীশিংগী ওকনফম ওইরি। ঈশ্বরগী খুৎশেম অসি অওইবমক অতকম্নগী মশকনি।



মোইরাংদা চয়োল্ক অমা অমসুং লোত্তাক ।

বসন্তগী য়াচংবা মতম্মনি। মহৌশাগী হাঙবী লাইরেম্বীনা বসন্তগী অঙোম্বা চৈরাং পুম্নমক লৈতেংগদুনা মশাগী ফজবা উবদা শানা লোক্তরি। কোয়েংসেম্বনা লৈসুপ চীংকা খাংগয়ো তম্বা কোয়িচেল্লা ওাংলে। ইংলবা মলয়া নুংশিংনা লোইরক্কি শিংদুনা নুংখিৎলগী লৈশাংমা চান্নবা পুম্নমক ইংনরে। ঐখোইনা মতম কুইনা নিংতকপদা মোইরাংগী— খম্বা খোইবম্বী লোয়ালবা লম্দমগী নিংথিজবা অদু মাংলা উরহুনা পুক্নিংদা অমুক হৈনিবগা লোইনা খোংকাপ অতোম্বা কান্নহুনা চংশিন্নরম্মী। খম্বাগুম্বনা মৈতেগী, মৈতে লৈবাক্কী ফজবা মেয়ক হাইজরদি ঐখোইগী হাইজরি, ইস্কালগী লাপনা কুমথবিয়ু। বসন্তগী য়াচংবা মতম্মনি। তাঙ্গমদাই কৌয়বা হুমিৎকী অঙাংবা মশেল্লা য়ৈবদা লৌবুক পুম্নমক মহী চেনবা সনাগী নঙ্গৌবা উরম্মী। অশংবা ত্রিংথৌনা কুপলবা অচম্বা লম্বী পুম্নমক্তা খোই খোইনা লৈদুনা ঐখোইবু নিংতকপা ফজবা য়েনবা লমজিংবিরি। লম্বীগী নাকল অনিদা অশংবা লৌবুক থাওদোকপ্রবা লৌখুপ মহৌশাগী ওইবা অশংবা নাপীনা লৌবুক অদুদা ঈথক লোইরোই হৌবগুম তৌরি। লৌবুকী অকোয়বদা লম্বীগীদি মনাকতা উ মপল মচানা নেমলেম্ল হৌরি। বসন্ত লাকপদা পাম্বী পুম্নমক অদু অনৌবা ময়োল চোংলে। অয়াম্বা লমগী চেক্লানা পোশা পোশাহুনা খোংলি। উনা উনা ওাখলবাই তুংওইনৈ। হুমিৎনা লোংবগী তৌপম্বা লোইদুনা ময়ুম চংখ্রে। কাওরেন খজন লোইনখ্রে। অথাপ্পদা সন্ধ্যা আরতিগী খোল্লেন অমতং তারম্মী। নুংথিলনা ঐঙোন্দা অমসুং অমমবদা তেংবানববু শিম্নরমহুনা অতোম্বা মফম তাম্না পাইখিরম্মী। পুক্নিংদা মহৌশাগী নিংথিজবগী রাখন খম্না খম্না কেগে লমদম ফংলে।

কেগে উরে, মোইরাং উরে। পিকলিঙৈদগী নিংলেকপা থুংলে। চীঙ্গা তম্বা গুনা চংলে; হৈরাং লৈরাং গুনা উরে। তময়াদা তামনানা খোংখা তারে। মোইরাংগী অহানবা অহানবী পুম্নমক্কা নুংশিবা রাগী শারে। পুকচেল তিংলবী মোইরাংগী ঈচেমশিং পুম্নমক্কী মতেং উরে লোংমাইজিং ওাইদুনা মমইকৈ ওাকপা লাইনিংথৌ থাংজিং খুরুমলে। 'অম্মা মোইরাংদা কুমদি লেনগা মরিনি ওবা হুমিৎতা ঐখোইনা চাম্নবা 'মরূপ অমগী' থৌওাংমা লোত্তাক কুমী।

অহিংগী মমৈ ওইরকলে, কাকী লানথাও শীরকলে, চীংথে মৌদুপ কছে। ঐখোইনা অয়ুক তৌগা হৌনবা পুমনমক লোইদুনা অহানবা লোত্তাক থোংবরবীমক শেম শারে। ইথং শংহৌদ কোয়োইজবনা কাখোং অমতা পানবা রথতা মাহাকী নাপুমানবা শগোল পাম্নহুনা চীংথে মাংওইননা কাওরক্রে। অয়ুক হাঙবী লাইরেম্বীনা মোমোন লোকলহুনা হৈকোন লৈকোন্নগী হৈরাং লৈরাং পুম্নমকপু শাংহল পাঙ্গলদুনা অমসুং নামিবা নুংশিংনা উমং পুম্নমকপু হাইক্রমহনদুনা অতুম্বা জীবশিং হৌদোকখি। পোম্বী চেক্লা পুমনমক্তা অমৃতগী ঈচেলগা মাম্নবা খোজেম্না নিংথিবা

য়াকাইরোন শকলি নিংখিজরবী অমুকমা [illegible] [illegible] [illegible] কজরবা মশেকনা মাইকৈ [illegible] ডাহজলুনা অগোইগীথোংদৈ হাপলি। [illegible] মাহাক্কী নিংখিবা উহুনা অমুকী খুছুং ইনখি। ঐখোইনা মহৌশাগী নিংখিজবা অছু য়েংনা য়েংনা লোক্তাক্তা কুমলে। ঐখোইগী ছি অছু হৈরবা মোইরাংগী খুংনা খুনবক ঈয়াই ডাঙ্গা পুশিল্লে। ঈয়াই হেক য়োবদা ঐনা চৈনিগননী [illegible] অছু নিংশিংদবা ওমল্লে। —

The sea, the sea, the open sea

*   *   *

I like, oh how I like to ride,
On the foaming bursting tide.

*   *   *

সমক্রম্ন মিং মথৈনদি উরয়ে; তৌইগুবসুং মথক্তা চংলুবগী খুদোংচাবদি কংজবনা মাহাক্কী মুংঙাইবা অছু পুক্লিং কাওবা ওমদে, ওসি লোক্তাক মথক্তা হেক চংশিনবা অসিদা মাহাককী পাজম অমদি অসি ওইরিগত্রা হাঙ্গৈহুনা শাবা ওমলে। ঐনা নহা ওইরিঙৈ ডাহি লোক্তাকী ঈথকতি চীং মরুম বাংভি— থাজরমদে। হৌজিকতি ঈথক্তা চীংমরুমদি বাংঠেবহু [illegible] চাউনা লাকপা উহুনা পুক্লিংদা অকিবা পোকলে। তৌইগুবসুং ঐখোইগী মরূপ অহুমী মোইরাংগী মহৌশাগী ওইবা শিংলবা খুং অহুনা ঈথকপু অনি থোঙ্গা খাইদোকতুনা। হিগী নাক য়েংওইদ চংহল্লি। ঐখোইনা পুক্লিং মুংঙাইনা টৈশে শক্তুনা থাঙ্গা তম্না চংশিল্লম্মী।

লোক্তাক কুমজবদা কনামা মাগী কজবা অছু উহুনা খাগত্তবা ওবগে? ঐখোইনু নিংঙ্গী চীংথং থোম্বগুল্লা মাহাক্কী কজবা উহুনা ওজবখি। শংখীজবা ঈশিংনা ক্লিং ডাঙ্গা লৈখিয়ৈ মরক মমকতা ঈশিংগী লৈজা শাংলা, মথক মকম খুদিংদা লুকাই ছি মতাবা ঈনখলা লোইশিনবা জগোই শাবা পুরক অমং উরবদি মিংকী কুষৈ ওই হাঙৈবদা নঙনা [illegible] [illegible]। ঐখোইগী হিদা চংশিনকলদা লোইবা লোইমলা মথক মথা অরাবা ঈশিংগী উটেকনা [illegible] মরিদা পাইবা উপা [illegible] [illegible] থিবকী [illegible] অমং পুকনিংদা নিংশিংজবকী। [illegible] থাজবী চীংনা [illegible] [illegible] —ঈশিংদা তাউবগুম উই উনা উনা ঐখোইনা থাজবী তোর্বানদা থুংলে। চীংজোন অমদা অমুক কাখংলুনা লোক্তাককী মশক অমং নিংথিনা য়েংহোয়ে। চহি তকক তরোং অসি অজোম্বা লমদা হোৎনখনা লৈরে; তৌইগুবসুং হৌজিক কাওবা মাহাককী নিংখিজবা অমং পুকনিংবা য়েক্লুনা লৈরি।

শান্দবদি মিংচত্তনি ।

(কীর্ত্তিযশ্চ সঃ জীবতি)

ওন্নি শিনি পাউরেম্বে, হুয়েং শিনি পাউতাকস্তে। মসিদা থরনা হাঙ্গী, অহুনা, শিগদোবা থরাইনি শেংলু চাও ; শিন্নগা থন্নাইনা খোংপাকনা কাওথুরমহুনা চংখিগনি। অহুগা থন্না অমনা হাঙ্গী, পোকওমদনা পোকলবা মপোকনি শিদনবা তৌ। শিদ্রনবা হাঙ্গীবদি করিনো? ঐখোইনা মুন্না খংই, পোকপু পোকলবদি শিবা লমন তোন্নে ; হাক্চোনশংগী মতম ওইরবা তেংবানবা অসি অমন্নোমদা মোংফমগী মশকনি। মমাগী মতম্বাক্তা হিপতুনা খোমলাং অমৃত থকলিবা অঙাং অসিন্থ নোংমা শিরগদবনি। ইনাক খুন্দুনা, মহৈ হৈহনা তেংবানবগী ফুংঙাইবা খিবিকী মপু ওইন্নিবশিং অসিন্থ নোংমা শোইদনা মৈতাম্না বাখৈনরগদৌবনি। য়েংউ, কেগে মোইরাংদি কাঙ্গৈদ্রি। কুম্বিগী তেন্নানা মতমগী পোইরৈ ইন্না য়েনিং হুল্লি" তৌইগুম্বস্থং ফুংশিনবগী শাইওন খম্বা খোইবীদি কদাই? লাইরৈবাক নবদ্বীপ অহুমক কাঙ্গৈদ্রি ; গঙ্গানা পোখা নাইদনা চেল্লি ; তৌইগুম্বস্থং নিমাই থাইনা মৈনা চাকলবী শচী, বিষ্ণুপ্রিয়াদি কদাই। ভক্তিগী লাইপোক গৌরাঙ্গ অহুনা কদাইদনো অস্থম্না মতমগী ঈরৈ ইন্না থংনরম্বা ফুংশিনরম্বা কয়া চংখিহনা উত্রিবা, চান্নত্রিবা কয়া লাক্লে। তেংবানবা কুম্মৈগী কম্বাকথক্তা পোকপা শিবগী মতাং কয়া অতৎপা লৈতনা শান্নরি। তৌইগুম্বস্থং ঐখোইং ফুংঙাইবতদি ইনথংলকইবা পাখং য়োনা পোকপা শিবগী অবাবা বাখন থন্দুনা সিদ্ধার্থগী মতৌগুম্ব মাঙ্গখোং মকশিনবা উই। চানব— পুকৈ চোল্লি, শেংনবা— ফীরুক থল্লি ; লন য়েংই—বাম্ভে মী য়েংই— নোপ্তে ; তৌইগুম্বস্থং থনফম খোক্তিবা অবাবা বাখন্না থমোইবু অপাম্ন ফুংশি কাঙ্গনবগুম লাংতকনহল্লি। য়োইহেনবা তাল্লিবা শাবী শানৌশা। মখোইস্থ নোংমা শিগদৌ রিবনি। শিবদা নহৈ চেন্নবা য়াবন্না? ঈচিক ঈশা খাংহনা অবা ফুংঙাই থন্দুনা লনলৈমগী (লম্মীগী) সেবা তৌরিবা। নংস্থ শিগদনি। শিবদা লন পোনবা পুবা ন্নাগন্না? ওম্মোকপনি নোংলম্বা ব্রহ্মাবকনা পোকওমত্রবা মীওইবগী ফুংঙাইরবা মপোক অসি কংলগা অরেম্বদা মাংগদৌ রিবোই। অস্থপ চাউরিবা পুকচেল, অস্থপ নিংথিজরবা হকচাং অসি নোংমা মৈদা কখোকাম্বনি অবাবনি অসি খংলমলবদি পলেমগী খোমলাং থকলিজৌ শিজন্নহনবা কপনৌবনি।

হৌজিকতি ঐখোইগী যুগ নত্রে ; কানগী পোইরৈ ইন্না ঐখোইগী থাজবস্থ ওনত্রে। থাইনা মহাঙ্গৈরগে— ফুঙ্গানাক ন্নান্নীনবা তাঙ্গৈ— ঐনা লহান শিরুবদা লাইরৈবাক্তা পীজনিবক হৈবা হোংবা অহুগী চাউবা অহুগী লনগৈ উরকই ; মাগী পুন্নৈদগী চেং পুহনা চান্নকই ; অদুনা হন্দক অস্থম্না তৌ হুয়েং অদুমকনা পোকলুগনি হাঙ্গদুনা পাউতাকনরবদি হৌজিকতি ঐখোইবু মীরক তিন্দবা তান্নগনি। অদুনা ঐখোইনা অন্নাইবা পাম্বৈনা শিন্নবস্থ হিংবা য়ানবা পোখি থন্নসি। অদুগা ঐখোইনা থাজবা অমা লৈ— তেংবানবদা অমাংবা পোং হাঙ্গীবা অমা লৈন্তে। লৈখোক লোঙ্গদুনা কেনথ্রবা লৈন্নাংনা অনৌবা হৈরাং পাম্বী ওল্লি। ওলাং থাগী মৈবুন হৌন্নবা কোন্নৌহনবনা

পুন্সি খোন্নবানগী ঈশিংনু মনিনগী মশক ওইনা মাম্নদা চিংথংলি ; মনিন অহুনা লৈচিনগী মশক ওইনা নোংময়োন আলিজাবক্কা মাইকৈ শিনবা থুংনা পাইরগা নোং ওইহনা অমুক লৈথক্কা তারকই । তৌইগুম্বমহুং ঐখোইনা নিংই— লৈরাং অমমুং লাইজগী মচাক অদদি অমাওবা লৈত্তে । মখোশাগী হৌনবী মতুং ইমা মাগী মশক ওনুই হাঙবতনি । অদনা চাউথংপা চামগী মপু ওইরিবা ঐখোইবু লোইবা থবাইনা মংথোং হেক চংবগা তেংবানবগী মরী ককথংখিগনি হাঙবনি চিংনকম থোক্তে । অদগো শিবনা মাগী চাউথং চাউথগী লম্বী শেন্নতনি হাঙবদি লান্দে ।

অদ ওইরবদি শিবা হাঙবা অদ কনাইব কৌবগে ? লাইরিকনা লাউরি— ঐখোইবু লোইবা থবাইমা অমমবা কীগী মশক ওইরবা হকচাং থাদোকলমহুনা চংগ্রবদি মী অহু শিহৌই । তৌইগুম্বমহুং অপংবা ঐখোইনা থংই শিরবদি অচংবগা মামন্ত্রে । অশিবগী তোঙানবা কাইদোংফম লৈরবমহু য়াই, শিরগা ওন্থোকপা চেংলৌ অমা ওনখিবমহু থংদে ; তৌইগুম্বমহুং মৈতাননা হেক রাখৈনবগা মাগা অচংবগা অমুক মরী থোক্তে । খুড়া অহু মমা অহু শিরে হাঙরবদি ঐখোইনা থংই, মাখোই ঐখোই তরামচা তিমহুনা লৈবাকী ওইরবমহু নত্রগা ইশাগী ওইরবমহু অফবাতামবা মাহাকতি অমুক য়াওবা ঙম্মররোই । অপাম মুংশি কাঙনরগা ঐখোইনা কপই ; মরমদি ঐখোইনা থংই, মাহাককা কম্মিনহুনা নাপচিকনা থম্মোই মমুংগী অচিকপা বাঙাংনবা অহু অমুক ফংঙরোই ; মথুং ইথুং লোনশিনহুনা চিম্বান থোইরুম তৌনা চারবগী খুদোল লারবা অহু হন্দকী মপোক অসিদদি মিং অসিনা অমুক উররোই ; অহুনা মিংলুদা তরংগী লাইজা শিষ্টে অসিনচিংবা ।

অহু ওইরবদি ঐহাক্তি শিবা য়াই, নহাকমহু মতমগী ঈপাকতা তিনখিবা য়াই, তৌইগুম্বমহুং তেংবানবনা মহাকী মরী ককথংপা ঙমগ্রবা, যুগ লিশিং কয়াগী মতুংদমহু মীনা মাহাকপু থম্মোইদগী থাদোকপা ঙমগ্রবা জীবশিং অহুবু শি হাঙবদি কনানা হাঙকগনি । হনুমানবু কানানা অমর (শিদবা) নত্তে হাঙবগে ? মপুনিংবগী অঙকপা বারী তাবদা মিং চামনা লাইজ মরী শিজহনা ভক্তিগী থুয়াদা কংলি । কয়মনা ভাগ্যচন্দ্রবু শিগ্রে হাঙকনি ? বৈষ্ণব ধর্মগী থুমলাবা মহী থকপা ফংলিবা মীশিংনা কুবী কালেন থাঙদনা "শ্রীগোবিন্দনা জয় ওইরি, ভাগ্যচন্দ্রনা লেবা তৌরি" হাঙহনা মিংলুদা "প্রেমগী ধারা" শিজহনা খোঙেম রাংনা শকলি । অসুমনা ইরৈবাকতা অমমুং শীরৈবাকতা শিদবগী চংনকম ওইরবা মী অমমুং লাই কয়া লৈরি । হনুমান শিত্রি হাঙনমহু চুমই, ভাগ্যচন্দ্র হিংলি হাঙবমহু লান্দে ; করমদি মাহাকপু নিংশিংনবদা পাপ কোকনবগী মশক ওইরবা লৈপাক লৈমগী চারবা মচানিং অমিনা শিবা খোকলবদি তেংবানবদা অহিংবনা কনানো ? মাখোইনদি শিরগা তেংবানবনা 'মা অমা লৈ' হাঙনমহু থংবিগ্রবা চংনা শিররিবা ঐখোইবু হিংলি হাঙরগদবদি হাঙরবনা খোইনা ইকাইবা পোংনি । হিংবনা তুংকোলোইনরবদি 'হিংবা' রাহৈ অসি লৈতবনা কয়মগদবনি ।

[illegible] তেংবানবদা মী অমনা অমবু সুংশিনদে, হাঙবহ্ন করনবা হায়সিগে ? [illegible] [illegible] ভৌ, মীনী সুংশিনবা চংনু মীনা নংবু শোইজনা চানগনি । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নিংশিংবগী চকলোম চনগনি । য়েংহৈনবা তারিবা শাকী শানৌশা ; [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বাখল য়োকলুরিবা । ওয়ামথে মীনী কায়নবা ভৌ, মীনা সুংশিনবা চংনু — ঙুমিং [illegible] [illegible] [illegible] ওইহৌগদি । [illegible] মপু ওইরিবা নংহ্ন শিবদা [illegible] তেরবা য়াদে হাইহনা করিগী [illegible] [illegible] তেংথাজরিবা । [illegible] [illegible] মীগী কায়নবা ভৌ, মীনা সুংশিনবা চংনু । ঙুমিংনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নংবু নিংশিংবনী [illegible] লেংশিন্দুনা শোইজনা [illegible] । ভৌইগুম্বসুং ঙুমিংকীদি [illegible] [illegible] মতম থৈ ; নিংথম [illegible] কাগী [illegible], [illegible] মখোক [illegible] । কেনখি ; [illegible] [illegible] শিংচংকি লির শিরুবা থোইনা চন্দন চাইবা লৈগুমনা অইংবা মনম শন্দোকই ।

মহেশাপ্পা ভাবক অমসুং প্রেমগী ধারা ।

মন্দাকিনী গঙ্গানা শ্রীবিষ্ণুগী খুয়া মীওইবগী মিংকী পিগা করিগা পান্দমনক্কম লৈবগে ? মৈচাক মুংশিবগুম্না থরানদগী চেন্থরকুনা সগরবংস লানবিবগা লোইননা চাকলবা তেংবানবগী অবাবা [illegible] মীওইবগী মিংকী পিনা থম্মোইগী খুপলবা মথমদগী চেনথোরকুনা মীওইবগী পূর্বশিগী অন্না সুংওইবা তিরকাঙনবা মতম পুন্নমক্তা তাইবং মীবু অয়ান খুভম কংনবগী লম্বীদা চিংশিনবি । কথিনা হাঙবদা করি লাজবা লৈবগে ?— মিংকী পি অদি [illegible] সুংশিনবগী [illegible] [illegible] ওইরবা [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible], বাইহেনা কোংলোকপা [illegible] মীওইবগী সুংশিনবগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বাথন পূন্নমক কোংলোকমবা [illegible] [illegible] [illegible] মীওইবনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শিরথরকপা "প্রেমগী ধারা" নত্তনা [illegible] [illegible] লৈরগে ? থম্মোইগী [illegible] [illegible] [illegible] সুংশিবগী [illegible] তোর্বান [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কাথকরকলবরা, [illegible] [illegible] বাথনগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমগী [illegible] মাওবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শিনথরকই ।— মতম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শিংলুনা পিগী [illegible] চেত্রবা [illegible] [illegible] অলোক [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] মিংকী পি [illegible] [illegible] মিংকী পি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মীওইবগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শিনথবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মীওইনা পোকুনা থাদৈ শেংনা মীওইবগী থবাই অমসুং থম্মোই ফংলবা মীশিংগী মথমদগী মিংকী

পি হাঙবা অসি নোকনকম, করেমনকম মত্রগা তাথীনকম থোক্তে— মাহাক্কী মকমদদি প্রেমগী ধারা অসি অওইবমক তাইবংপানবগী 'পাপ' কোকনরিবী ভাগীরথী গঙ্গাগী অনৌবা ঈচেল্লি।

কনাগী মিংতা তাংলবা প্রেমগী ধারা অসি শিন্দ্রকা ওয়গে? ভাগীরথী গঙ্গানা গোমুখীগী নাপোমদগী চেনথরক্লুনা লমীদা যমুনা সরস্বতীনচিংবা ঈচেন চামগা তিন্নবনা ঈচেন মপুং ফানবগুম্না মীওইবগী মিংকী পিনা মীওইবগী থম্মোইগী সুংশিবগী ঈকুত্তগী চেন্নরক্লুনা মতুংদা থৌজাল, ভক্তি, চান্নবা অমদি অরা-সুংঙাইবগী ঈচেন চামগা তিন্নহনা মনুগী সুংশিবগী ঈপাক্তদা তিরে। মিংকী পি হাঙবসি অমরোমদা থৌজালগী ঈচেল অমনি। মাহুমু অহম্মা থৌশানবা চুমদে। মরমদি মাহু অতোপ্পগীদমকনি; মাহাক্কী নিংথিবা ঈচেন অহু মীগী সুংঙাইনবা, মীগী ইংনবগীদমকনি। অরাবগী লৈচিন্না মাঙৈকে তরা কুপত্রবা, অরাবা নত্তনা সুংঙাইবগী মনম ফংত্রবা অসিগুম্না থাংওমত্রবা, য়েঙওমত্রবা, তাওমত্রবা মফমদা চৎতুনা নহাক ঐহাক্কুম্না কয়ানা চৎতুনা মিংকী পি শিন্দুরবা ওয়গে? অওইবমক থৌজানগী পি হাঙবা অসি সুংশি-থংনত্রবা মালংগী পোৎ নত্তে। অমুক অমরোমদা মিংকী পি হাঙবসি ভক্তিগী অনৌবা ঈহৌনি। মাহাক্কী মরিক অমতং ভাবদা কল্লবা সুং য়োনা মহী চেল্লি। মাহাক্কী মরিক অমতং ফংজবদা মীওইবনা রাহৈনা ফোংদোকপা ওমত্রবা লাইরৈপাক্কী সুংঙাইবা ফংদ্রনা মীওইনা পোকপগী মহৈ য়ান্নে। মাখোইনা তেংবানবা পুন্নমক্তা অদ্বৈত অমসুং নিত্যানন্দগুম্না থম্মোইগা থম্মোইগা তিন্নহনা, নোক্নুনা কপতুনা ঈশে শকুনা, জগোই শাহনা তুরেল্ল ঈচেন্দা তাউথবা কৌবীশিংনাংগুম্না অরাবা লৈতনা, ভক্তিগী ঈচেন্দা তাউথে। মাখোইনা পোকপা অহু তেংবানবগী মঙ্গলগী মশক্তি। নংনা মাখোইবু উন্নগনু থৌশান্দবা তৌগনু। অহুগা অমুক মিংকী পি হাঙবসি সুংশিবগী থোঞ্জেন থোক্তবা তেংথারোল্লি। বাক্লেনা সুংশিবগী মতিকচাবা তেংথারোন ফংত্রবদা মিংলুদা প্রেমগী ধারা শিনথরকই, কনানা মাগী ঈচেন অহু খাম্বা ওমগনি? সুংশিবা অহুনা অমতা পোকপী মজাইবেম্মগী থম্মোইদা মকত্রবা ঈথক্কী জগোই শাহন্দুনা মশাগী সুংঙাইবা অপুম্বু সুংশিবগী থুয়াদা কখোকপা ওমহনখিবা, সুংশিবা অদ্রনা জনককী তাংলবী সুংশিবগী শাইওন ওইরবী লাংলেনবু চাকনিবগী ফিজেৎ শেৎপিহুন বন বন্দা পুথিবা অহুগুম্বা সুংশিবগী মরিক অমনমদং মরক মরক্তা ফংবনা তাইবংপানবা অসিদা অমরাবতীগী নিংথিবা শকক্ম উবা ফংলিবা অহুগুম্বা অমৃতগী মশক ওইরবা সুংশিবগী ঈচেম অদ্রবুমু নংনা থোওইদবা তৌরগনু। খাইনবগী অরাবনা মিংলুদা শিন্দবা ভরংগী লাইজা টরগনু করেমনবা ত্রৌরুগনু; অমুক্কী থরোদা শিন্দবা লিকলাগুম্বা মাগী প্রেমগী ধারা অদ্র অওইবমক রাধম লাউরা মী পুন্নমক্কী মিহৌনফমি। থম্মোইপানবা মী পূমনমক্তা, মাহাক্তা সুংশিবগী মাইকে ওমদ্রনা চিক্লা পুকসুংগী তেংথারোন শকতুনা মিংকী পিনা লাইজা খুজোক কংচবা অদ্র টবগা হুরাওবা নত্তনা সুংঙাইতবা ওমদে।

অসিগুম্বা তাইবংমিংকী মমল নাইদবা লৈতেংগী মশক ওইরবা প্রেমগী ধারা অসি মাখন চাউবা কবিশিংগী মিংলুদা কুপী কালেন থাইদনা শাথলবা লৈরাং থম্বালগুম্বনি। অমুক্তী ডাংগ_রবা অনৌবা হুমিং, মাচংবগী কোয়ি চেনবা তময়া, থাবনগী মুংশিবা ঈপোম, ওলাংথাগী অনৌবা লৈরাং বসন্ত চেকলাগী অথুবা কোলোই পুম্নমক অসি মাহাকী মিংকী পিগা মরী খোক্কবা লৈতে। মাহাকী বাখননা মাগী মায়াগী মশক ওইরবা মশা ফদোক্তুনা করিগুম্বদা নোংমদোন মালং লোমনা পাইখংলি, করিগুম্বদা অমম্বা গুহা তাম্না পাইশিল্লি, করিগুম্বা অমদা মপাম্লাইদ্রবা ঈপ কতা চোংথহনা মুংঙাইনা শাম্নবা ওম্মি। নাকোং পানবা মী পুম্নমক বসন্তগী কোকিলশিংনা খোংবা পঞ্চম স্বর নত্রগা শরৎকী থাবনদা তময়া পামেল য়ৈনা খোংবা তমনাগী তরেংগুবা খোম্বাং তান্থনা পুকনিংদা মুংঙাইবা ওম্মি। মরমদি নাকোংনা মুংশিবা খোঞ্জেল তারগা পুকনিং মুংঙাইবা হাঙ্গবসি মহৌশালি। মমিং পাল্লবা মী পুম্নমক্তা শংবানবা উনা মরক্তা মথল মথা অয়াম্বা মচুগী নিংথিবা, লৈরাং শাংপা উরগা পুকনিং পেম্নবা ওম্মি। মরমদি তাইবংমিং অসিনা মহৌশাদগী নিংথিবা, ফজবা উননবগীদমকতা লাংতকনহনা লৈরি। ওলাংথাদা হৈকোন-লৈকোনদা কোঙ্গবশিংনা হৈরাং লৈরাংগী অনৌবা মনম ফংহনা পুকনিং তুজুং হরাওবা ওম্মি। মরমদি মীওইবগী ইন্দ্রিয় মও অসিনা মহৌশাদগী মুংঙাইবতা থিহনা লাকলিবনি। তৌইগুম্বসুং খেম্নবদি - বসন্তগী কোকিলগী নিংথিব খোঞ্জেল অহু ঐখোইনা চেকলা অমগী নিংথিবা মপাউখোনদগী হেম্না তাবা ফংদে। মী কয়া মতমগী নাইতোম লাকপা চেকলাগী কোলোই নিংথিবা অহু থংহনা নত্রগা থংনবা লাকনহনা মিংলুদ তম্নং লাইজা শিম্নবা ওম্বগে? কনানা মলয়াগী নামিবা মুংশিংনা য়ৈবদা নিংথিবা লৈরাংনা উনাগ লোইননা জগোইশাবা, পামেল উযৈ মথকতা খোঞ্জেল মুংশিরবা পোম্বী চেকলাশিংনা জগোই তান চানা নিংথিবা কোলোই শক্তনা মপুগী অঙকপা কুমৈ তৌবা অহুগী অওইবা অর্থ থংহন মমিং অনিমক থুমনা প্রেমগী ধারা শিম্নবা ওম্বগে? মাহুদি থম্বু থমখ্রো, কালেন-মুংশাগী চাকলব মৈরি, বাকচীংগী তমথীরবা উল অসিনচিংবা মহৌশাগী য়েকনবা পুম্নমক্কী অকিবগী শকফম উর কনাগী পেনবা নাইদ্রবা খোরাংলবা মিংফমনা চিংনা চিংনা য়েংবা ওম্বগে, কনাগী মহী চেক মাখননা পুকনিং তুজুং হরাওবা ওম্বগে খোইদোকপদি কনাগী মিংলুদা মুংশিবগী ঈপোম লাংবগে

ফনা লুবা পাউথুমনি। ঐখোইনা থংলবসু থংদ্রবসু অসিগুম্বা পোকপদগী অয়ান খুম্ব ফংলকলবা কবিশিং অহুবু কল্লকউবা মথৈদি ওম্মি। প্রেমগী ধারা হাঙ্গবসি অসিগুম্বা কবিশিং অসি মিংলুমগী তত্তনা শিনথরবা ঈচেননি। কবিগী মমিং য়াম্মি, মথল য়াম্মি, মফম য়াম্মি। তৌইগুম্ব পুম্নমক্কী মকোকতি মিংলুদা প্রেমগী ধারানা লৈতেংলিবা কবিশিং অহুনি। মাখোইনা পোকপ তেংবানবগী মঙ্গলগীদমকনি। মুংশিংনা মাহাকী মনম হুম্বতনা চাকলবা তাইবংপানবদা উপ লৈম্নবা মীওইবনা অহংবা খুভম ফংবা ওমনরিবনি। মাখোইনা শিজিন্নবি হাঙ্গবগী মীওই লোননা অবা মুংঙাইবা মতম পুম্নমকতা মীওইবগী মনিং খুংনা পুকথেম পাউত্তানবা ওমনরিবগী অসিগুম্বা কবিশিংগী মপোক অহু অওইবমক থাগৎনফমনি।

থাগিগী লানফম ।

ঙসি মৈতৈগী লাইবক্তা মানং মথা তম্বগী চাংয়েংবা হুমিৎনি। নিনিগুবা মাঙ্গথীবনা নীংবা কাঙ্গরবা মৈতৈমচা পুন্নমক অৱোঙ্গবা নিপা থৌদাং য়েংনবগীদমক মতিকচাবা য়েকনবগা মাইয়োক্লবদা মতিক চানবা লানথোংশিনবা হৌরকলে। ইস্নুং ঙাক্লে, কাককী লাম্বাউ শিক্লে, চাঁংথৈ ফিক্সুপ হুক্লে; অকনবা লানফম হৌরে। অমরোমদা থাগিগী হৈশিংলবা লাম্মী মপৈ, অমরোমদা মৈতৈগী মাঙ্গ- ওনবা হৈত্রবা অকল অথৌ পুন্নমক অকনবা লানফম হৌরে। নিংথৌগী মনাও ইবুংঙো অনিগী ইঙ্গিত ফংবমক্তদা মশিং নাইত্রবা মৈতৈগী অকল অথৌনা নোংজুথাগী থাম্বা ঙমত্রবা ঈচেনগুমনা য়েকনবগী পনমাং চংলকলে। দূর্গামাই লাউবগী থোঙ্গেননা মাইকৈ তৱামক নিনথরে। লুচিংবশিংনা তোঙ্গনা লাউরম্মী "লৈবাক মচাশা। ইরৈবাককী ইকাইখুমনবা ঙাক্লনবগী, মৈতৈগী মিংকম মৃত্তনবগী ঙসি থৱাই পান্মনবা তৌনমুসি। থামেল চৎপা শেৎপিয়ু, লোক্লাই হৈনা তোংবিয়ু! ঙসি শিবহুর্গাগী নাম শোন্দুনা ৱাশকনসি— থবক পাংলগা পাংবা নত্রবা থৱাই থাৱা।" মৈতৈ মচা পুন্নমক থৱাই খুবাকতা হাপচনা, নোংশাগী লাল্লাউ লাউহুনা চংশিন্নকলে। মাইকৈ অনিমকী লাম্মীনা তেনমৈ তেঙেকাক লোম্মনা অথৌবা অশোঙ্গবা লৈত্রবা তেন কাপ্পরকই; ঈনা মালেমথক অপুম্বা ঙাংখ্রে। থাং, তা, লম্মু, মুংগুক হুমরকলিবা কনানা শীংথাক্লবা ঙমগনি?

থাগিগী লাম্মী পুন্নমকহু মৈতৈগী থৌনাফবা, মথৱাই পান্মদবা উহুনা ঙক্তবা ঙমখিদে, মাথোইগী অৱাবা তাগদৌবা উহুনা অঙাওবগী পান্দম ওইখ্রে। পৃথিবীদা মমিং চৎলবা থাগিনা ৰবিহু লৈত্রবা মৈতৈগী মফমদা মাইথীবা ফংহুনা জাংকী কক্তবা অথীবা মিংচৎ ওইখিগত্রা হাঙ্গবগী কিবনা থাগিগী লাম্মী পুন্নমক অতিয়া অমহুং পৃথিবী নিকনবগী মশক ওইবা অকিবা ফংলবা লাল্লাউ লাউহুনা মৈতৈগী মরক্তা লান্দাবা হৌরকলে।

মতম অসিদা নিংথৌগী মনাও ইবুংঙো থৱাইরাকপহু থাগিগী লুচিংবা পুলেমগী মাইকৈতম্না থাংগী জগোই শাক্লহুনা কদ্রিজিন্নকলে। থাগিগী মশীং নাইত্রবা খুৎলাই পাঙ্গবনা মৈতৈ অথৌবগী পান্দমনিংঙাই লৈত্রবা লাজং অহু উরহুনা থিংনবগীদমক থৱাই খুবাক্তা হাপহুনা হোৎনরম্মী। তৌইগুম্বহুং ঈচেন কল্লবা তুরেল্লা নোংজুথাদা। তোর্বান নমথাঈদনা চেনবগুম্না মনাও ইবুংঙোনা য়েক্লবগী পন পুন্নমক পুনাইহুনা চংশিন্নরে।—কনানা ঈচেন অদু থিংবা ঙমগনি? মৈরী থোক্লবা থাংগী মৱাং অদলো কনানা থাংবা ঙমগনি? খীন্দবা পুলেমগা মনাও ইবুংঙো থৱাইরাকপা অথৌবগা মাঙ্গলোক্লরে। নাকল অনীমককী অকল অথৌ পুন্নমক মাথোই মাথোইগী মবুংঙোবু কনবগীদমক চংশিন্নরকলে। মতম অদলো থাংগী পুথেংমক্না অকনবা লানফম শোকনথিবদু কনানা

ইরবা ওমগনি। য়েক্রবনি মীচংনি হাঈবা থংনুড্রে রাজক অনিমবীমক মশীং রাঈড্রবা অকন ইরবা ওমগনি। য়েক্রবনি মীচংনি হাঈবা থংনুড্রে রাজক অনিবকীমক মশীং রাঈড্রবা অকন অথৌ রাজা ভুরে। ঈনা লানকবদা ভুরেল ওইনা চেনখী। অরাগনগী য়েক্রবা ওয়া কাথরকপা তেমা অজিঙা কুপশিল্লগী।

মতম অসিদা মহারাজ খগেন্দ্রজীৎন্ন ভুমিমা লৈরমহে। নিংথৌ অসিগুম্বা অকনবা থৌনাবকবা, থৌজলগনবা মীনা লানথোং শিন্নবদা মৈতৈনা অদুগুম্বা অন্নাবগী লানথোকপা ফনা পুরমগদৌবনি। ইন্দ্রি খুদম্মনবা ওমলবা সন্ন্যাসী এবয় হাইবুনিংবা মহারাজ খগেন্দ্রজীৎকী পাউভারু পীরিনুবা মন্ত্রীগী মশকনি। মাহাক্কী অকনবা থৌইনশিনমক্তনা নিংথৌনা নিংবা কাঈরবদা হৈনিংবা পোকখী; নিংবা কাঈরবা মৈতৈনা পুকনিংদা অনৌবা মন্ত্রেরাক চুংশিরগী রাখল পোকখী।

অসোয়বদা অদুম্না মনাও ইবুঙো খাইরাকপগা খাগিগী লুচিংবা পুন্নেমগা অকমবা থাংগী কদম তৌনরিভৈদা মনাও ইবুংঙো, অতোম্বা শানোংবগা য়াইস্কুল লাকপনা পান্নিংগী লান্নী মথে পুন্নুনা মন্নাবুগী রানবাংবা চংশিন্নকলে। অদু উবদা খাগিগী লাম্নী পুন্নমক চিনবান কংখী। মৈতৈ অথৌবা অমমক শোক্রবা ওমদনা লৈরিভৈদা অনৌবা লাম্নী মপৈ অমা অমুক থোমজিন্নবগা উদুনা খাগি পুন্নমক তৌনিঙাই পাদৈ অমা অমুক উপ্রদুনা শমজি থাইদুনা অকংবা য়াইকৈথা চেনবা হৌরকলে। অদুনা খাগি লানকবদা য়াই পাকুনা নিংথৌগী মনাও ইবুংঙো খাইরাকপনা মৈতৈগী রারীদা খাইরাপা অথৌবা হাঈনা ফাওখী।

ভরত।

ভরত হাঈবসি রামায়নগী নাইতোম থোকপা তাংথক নাইড্রবা থাগুম্নুনি। রামায়নগী অক্রবা লমচৎ, অথৰা লীচৎ, অমকপা লৈতবা ন্নিদয় পুমনমক্তগীসু ভারতকী মফমনা মকোক থোবনি। তেংবানবগী হৌলমীগুম্বা রামগী, সীতাগী, দশরথকী, কৌশল্যাগী, লক্ষ্মণগী, কৈকয়ীগী লমচৎ পুন্নমক থিরুরবদি লোব কোকফম লৈতে। দোমনা রাজা রাজা লৈতে। অমকপা রাওরবদি মমম চুংশিন্নমলরদি সনাগী মগুণ মরক রাজা হেনগংলমগদবনি। অমকপা রাওরবদি থামী রজবা চাওখংলমগদবনি তৌইভন্নমং লোব লৈতবা লৈতে। অপাকী রাজক ওারবগীরক অযোধ্যাগী নিংথৌরেনগী সিংহাসনদু মাগীগুম্বা অতোকমদুম্মা উখুনোঙ ন্নুতা পুন্নুনা চহি অল্লামনি নারফা উথোংদা লেনবা ওমলবা রামগী রামচংভদু মীনা লোয় রাজ পামি বালি হাৎপা, সুগ্রীবদু নিংথৌগী খুডম পীখলজিংবা মীনাক রীরী মমাম থিবা অমখদমা ভাইবং মীনা মন্নবা রাবনী অন্নচংভদু লোব পীনরি। অয়াবনগী শর্মক ওইন্নকী সীতাদু মীনা ফাকপা তৌগে

মপুরোইবা মঙ্গলা অতে খংজবা, নিংথৌগী মচা অমসুং নিংথৌগী মচৌ ওইহৌনা লুচিংবগী মরক্তা লৈহৌরবসু মপুরোইবগী থৌগল তৌবনা লূপীগী হুংঙাইবনি হায়রিহৌনা পুন্নমক থাদোক্তুনা উবা মপুরোইবগী থৌগল ইনবা ওমলবী সীতা অদুবু অইবং মীনা দোষ পীকা ওন্মি। সীতানা শেংলবা লক্ষ্মণগী লমচংতা, তাবদা তুম্বুংলবা মরাল পীবা তারগা মীনা সতিগী মকোক ওইরবী সীতাগী লমচংতসু দোষ পীবা ওন্মি। অসুম্না দশরথকী, কৌশল্যাগী, লক্ষ্মণগী, কৈকেয়ীগী, সুমিত্রাগী, মন্থরাগী, সুগ্রীবগী, বিভীষণগী, হনুমানগী, য়োংনাউ অমগী থাওবা মীনা দোষ থিবা ওন্মি। তৌইগুম্বসুং ঐথোইনা মীওইবনা হন্দুনা হন্দুনা নমহৌনা নমহৌনা থিহৌনসু ভরতকী লমচত্তা দোষ হাপনিংঙাই ফংদে। উকুশেং জট পুনরা খুরুমগী মথক্তা সনাগী শেকপীনা থাম্লিবা ভরতকী লমচং য়েকপদা 'অমরকবি' বাল্মীকিগী অমাং অত্তা লৈত্রবা মিংচং অসি অমুক হেন্সংনফম থোকই। দশরথনা হায়খী — "রামমক্তগীসু ধর্মগী মরীদা ভরতনা হেনবা নত্তনা রাংপা তৌরম্মোই।" গুহকনা ভরতপু য়েংলদুনা হায়খী "হায়জবা নায়দনা ফংলবা লৈবাকপু হনবা ওম্বা নহাক অসি পোকপগী মহৈ য়াম্লবা হায়বহৌনি। নহাককুম্বা পৃথিবীদা অনি গুদে।" অওইবমক ভরতকী অমকপা লৈত্রবা লমচং অসি ভারততসু নত্তনা পৃথিবীগী লাইরিকতসু মতাংবনি।

রামায়ণগী ফম্বাকতা ভরতকী শকফম উৎনবগীদমক অহানবা য়ুথল হেক হায়গৎপমকত্তদা বিনা অওকপগী মশক ওইবা অরাবগী ঈচেন অমা চেলহন্দুনা ভরতপু মাহুদা লুপহল্লি। মাংদা দগোইশাবীশিংনা 'তান' গা লোইননা নিংথিনা জগোই শাহৌনা য়াকাইরোন শকলি। কাহৌবা রূপ মপাং পুম্নমক্কা অথুম্বা থোঙ্গেম্না হুংঙাইবা রারী হৌদোকহ্লি। তৌইগুম্বসুং ভরতকী মাঙথোংদা বনা লাংশিল্লে; মমাং মমাংগুমনা ত্তরাম ত্তরাম তৌহৌনা চংলকইবা মীগী পুকনিং পেক্কমবা তৌবা, করিগুম্বা অরাবা অমগী রাথননা অনৌবা থম্মোইবু কুপথিবা মরমনা ওমল্লে। তুমলিঙৈদা করিগুম্বা অরাবগী মশক ওইরা মং অমা উবনা অয়োধ্যাদা করি থোকলমলগাবা হায়হৌনা রাহৌনা লেরিঙৈদা অয়োধ্যাগী পাউ পুবা ময়পা অমা মাহাকপু লোবা লাকলে। মাহাককী মচিন্দগী অয়োধ্যাগী ঙলগী বা পুন্নমক তারবসু পুকনিংগী চিংনবা কোকহৌনবা ওমথিদে।

অসুমনা অয়োধ্যা য়ৌরকলবদা মংগী অরাবা মতৌ শাক্তহৌনা থম্মোই লাংতক্কনরকলিবা অহু মচুবনি নত্রগা মংগী হুংঙাইভবা অহুদি থোকখিবা অবাকগী অহানবা মখি তাবতম্নি হায়বা অহু হৌনা ভরতম্বা মপাল শাইত্রবা অরাবগী ইপাকত্তা লুপথিরম্মী। অয়োধ্যাবু খুমংলিবা অরাবা চেল পুন্নমক অসিগী চেনখিনম মদুবু মহাকপু লোকপী মখানি হায়বা খংহৌনা থম্মোইগী অরাবা মচাক অদুবু থম্মোইদা পুথরা থম্বা ওমথিদে; মচানা হুংঙাইত্রবদা, মমাগী মরমনা হৌলবী হায়না, করিগুম্বা মইথোঙ্গাদা অরাবা অমা থেংনরবদা মথাদা মচানা হায়খা ওম্বা বাহৈগী মখৈ থিজিন্নহৌনা মখা ঙাংলকই। শত্রুঘ্ননা মন্থরাবু মনাই হুপীদা তাবকা হৌলবদগী হেন্দোকনা চৈথাক

তৌথে তৌবা অমদি কৈকয়ীবা মরাক্তা চংপা হৌনবী কাউবা উবনা [illegible] [illegible] [illegible] মহাকপু [illegible] হাইদুনা মাহাক্কী ঐখোইবা মাহাক্কী অশেংবা লমচং [illegible] চিংনক্কম লৈতে ; মহাকপু ৱাকপিহে হাইদুনা মাহাক্কী লমচংকী অমুক হেন্না লোবা মতৌ উৎপনি হাইবদি লাপ্পে।

নিংথৌনা শিবরী হুমিং অাগামন্নিনি অহু বশিষ্ঠনচিংবা অযোধ্যাগী লুচিংবা পুন্নমকনা অযোধ্যাগী লৈপাক্কী থবক পুদবা য়াদে হাইদুনা, হন্না হন্না হাইবা তাদুনা ভরতনা পুকনিংগী থাজবা অহু অমুক হেন্না চেংহন্দুনা হাইরকই "হন্দকী মফম অসিদা ঐনা গুরুজনগী য়াথংগী মণ্ডপ অমুক বনা হৈকাইথুন্নিংদুনহু ঐগী পুকনিংনা অাহুবনি হাইনা নিংহুনা, পুকনিংনা থাজরিবা অসি থাদোকপা ঙম্মোউ। রামনা নিংথৌ ওইগদৌরনি ; চংলু অযোধ্যাগী জীব পুন্নমক্কা শ্রীরামগী খুয়া খুয়াল অনি কোন্দুনা কপউ। থৌজান হৈরবা রামনা পেনবিরকলবদি ফরে, নত্রবদি ঐসু ইক্ষ্বাকু শাগৌদা পোকপনি, শাগৌগী চহি অামরি বন চংপা নতুনা ঐগী পাম্ফম লৈতে। ঐসু ইক্ষ্বাকু শাগৌদা পোকপনি, শাগৌগী হৌনবী থুগাইবা ঙম্মোই। অযোধ্যানা উং ওইহৌগে ওইহৌসনু ; ঐবু পোকপী ইমানা হুই লাংজা থাকুনা প্যালহৌগে প্যালহৌসনু ; ঐদি ঐগী শাগৌগী হৌনবী থুগাইবা ঙম্মোই।"

অসি হাইদুনা ভরতনা অযোধ্যাগী মী পুন্নমক্কা লোইননা শ্রীরামগী থোঙ্গুল লীবা শান্দোরকলে। অহানবদা ভরতনা গুহকক্কা উনৈ। থবক্কী থৌদোক মতুং ইন্না গুহকনা অহানবদা ভরতপু চিংনবা অহু পুকচেল তিংবগী অশেংবা শকফম উবদা তুংকোইবা ঙমদে। অতুদগী ভরদ্বাজ মুনিগী লাইনিংফম তান্না লাকুনা শ্রীরামবু থিরকই। মফম অতুদগী মুনি অতুগী য়াথং মতুং ইন্না চিত্রকুট তমনা লাকলে। চিত্রকুটকী চীংথক্তা শ্রীরামসীতামা চীংগী নিংথিবা উহুনা অরাবা পোকথোকনরিঙৈদা অযোধ্যাগী মীয়ামনা লাকপগী থোঙ্গেল তারহুনা শ্রীরামনা লক্ষ্মণদা হাইরকই "লক্ষ্মণ! চীকলবা চীংথক অসিদা থংহৌদনা মহৌশাগী অহৈংবা পুন্নমক থুগাইরিবা অসি কনানো য়েংউ ; কনাগুম্বা নিংথৌ নত্রগা নিংথৌমচানা শাতানবা লাকপরা, নত্রগা করিগুম্বা অকিবগী মশক ওইবা শানা চংপগী থোঙ্গেননা বনগী অহৈংবা থুগাইরিবরা ?" লক্ষ্মণনা উ অমদা কাথত্তুনা য়েংলগা থুনা কুম্নথরকুনা হাইরকই "করে, ওসি অযোধ্যাগী অরাবা পুন্নমক্কী মন্ত্র ভরতপু মাংহন্নগে। হে রামচন্দ্র য়েংবিয়ু— নিংথৌগী করাল তোংবনা পেনবা ঙমগ্রহুনা কত্রবা ভরতনা অযোধ্যাগী সিংহাসনগী ভিত্তংনি হাইনা নিংলিবা ঐখোইবু মন্ত্র কংনা মাংহনগে হাইদুনা লাকলে।" লক্ষ্মণগী বা তাবদা শ্রীরামনা হাইরকই "লক্ষ্মণ! ভরতকী মচং পুন্নমক ঐনা মুন্না খংই ; নংনা মাহাক্কী মরমদা অরেম্বা চিংনক্কবনি অরানবনি। ভরতনা ঐখোইবু লৌগে হাইদুনা লাকলিবনি। পুরুচেল তিংলবা লেংদনা ভরতকী মরমদা নংনা তাদীবা ঙাংতুবা অচুম্বা নত্তে। নংনা লৈপাক পাম্বামত্তনা রাম ওইদুনা মাসি হাইবা ওইরবদি ঐনা ভরততা হাইদুনা অযোধ্যাগী সিংহাসন নত্তোবা পীদুনা ঙমগনি হাইবা অহু কাওবা ঐগী চিংনবা নৈতে।

অমুম তৌরিঙৈ অসিদা ভরতনা অযোধ্যাগী মী পুম্নমকা লোইননা শ্রীরামগী থুয়াদা তুমদুনা হাঙ্গরকই "ঐনা মীত্রিবাক্তা লৈরিঙৈদা ঐনু পোকপী ইমানা ঐগীদমকনি হাঙ্গদুনা তৌবিরমলিবা থবক অসি ঐগী অপাম্বা নত্তে; মহৌশাগী ওইবা লৈবাক পাম্বদগী নত্তগা কল্লিগুম্বা অকনবা থৌঙ্গনশিন অমদগী ঐগী কননবনি হাঙ্গদনা ইমানা ইংলবা অযোধ্যাদা যুমগাঙ্গবগী ঙশোলাং-হল্লমলিবা অসি শ্রীরামনা মহৌশাগী ওইবা ঙাকপিহৈবা মগুণনা কোল্লবা পাপ্নে শেম্বিত্রবদি লৈবাক মত্ত ফংনা মাংবা তাপ্রে। মরম অদুনা হে রামচন্দ্র! হৌজিক অযোধ্যাদা লেংবিদুনা লৈবাকী সিংহাসনবু লৈতেংবিরো। ঐদি মনাওনি, ইপাগী বাশক ঙাকনবগীদমক ঐনা চহি তরামরি বনদা চৎচরগে।" অসি হাঙ্গদুনা ভরতনা শ্রীরামগী খুয়াদা ওন—থোইরদুনা কপলকই। শ্রীরামনা কোনথজলহনা অথুম্বা বাহৈনা ভরতপু থেমজিলম্মী। মচিন মনাও অমনা অযোধ্যাদা হল্লবা অমনা বনদা চৎনবা তকনরবা মতুংদা ভরতনা ময়াত্রবা উরদুনা শ্রীরামনা মনাওদা খুরুম অনি পীরদুনা হাঙ্গরকই "ভরত! খুরুম অসি ঐগী ইহুৎশিনবনি। চহি তরামরি হেক শুবগা লাকুনা ঐনা অযোধ্যাদা হল্লক্লুনা পাল্লগনি।" ভরতনা খুরুম অদু কোকথক্তা থাঙ্গৎলদুনা হাঙ্গরকই "ফরে ঐনা চহি তরামরি অসি খুরুম অসিদা হঙ্গৎতুনা লৈপাকী থবক শীন্দুনা পুগে; চহি তরামঙা শুরকপগী অহানবা হুমিত্তা শ্রীরামবু উবা ফংত্রবদি শোঙ্গদনা মৈমুংদা চোংশিন্দুনা শিগদৌবনি। অযোধ্যাদি হান্নগী অযোধ্যা অদু নত্রে। ঐনা অমুক মোংফমগী মশক ওইরবা অযোধ্যা অদুদা হজিন্দুনা লৈবা ঙম্মরোই" অসি হাঙ্গদনা ভরতনা খুরুম অদু পুরক্লুনা নন্দিগ্রামদা লৈদনা শ্রীরামগী মহুৎশিনবগী মওং ওইনা চহি তরামরি লৈবাক ঙাকখী।

মধু-মালতী।

শরতঋতুগী সন্ধ্যায়াচংবা মতমদনি। নোংমা হুমিৎনা নোংচুপ চীংয়া থাংবদা মহৌশা হাঙ্গবী লাইরেম্বীগী হৌনবী মতুংইমা যেরা থাউমৈ মুৎপগী নোংমম্বু ৎকলি থিকলি চুই। উনা উনা লৈচিননা মাইকৈ মরিমক কুপথ্রে। ওম্বোকপনি। পনথুংঙমদাইগী কোরোঙনবগী ঙাঙ্রাবা মশেকনা নোংচুপ তমরা অসি কোরী চেনগত্রা নিংঙম্মী। তময়াগী বামিবা হুৎশিৎনা যৈবদা পুকনিং হকচাং অসি পেম্নগত্রা নিংঙম্মী। উনা উনা লৈচিনা মাইকৈ তরামক কুপশিনথ্রে। অসুঙৈগী মতম অসিদা হুমিজাংবাইগী নিংথিবা পুমনমক মতম থরদংগীদমক পুম্মাং মাংথিরম্মী। মেরা থাগী নিংথিজরবা থাবলনা অহিংগী অতিয়াবু লৈতেংবা তৌত্রে। হৈরাং লৈরাং অপুরনা মহৌশাগী অকিবগী মশক ওইবা শককম অদু উবদা ওমমা তুমখুন চমত্রে। লৈরাংগী হুংশিবা মনম অমতহু মালংবনা চুবা তৌথিত্রে। মালংবগী ফোরোঙ্গ য়েংদনা হৈরাং লৈরাং অমতহু

ঙগোই শাবা লৈয়ে। উনা' উনা 'লৈচিন্না মাইথৈ অপুবা পূন্নয়মর্ম্মাশিনবে। ইথং থংহৌদনা নোংমা য়োংতুক ভাবগুম তারকলৈ ; লেমা কথোক চাইবগুম মালেমথক' অপুবা কুপলে।' হুংশিং নিংথৌনা 'মাহাক্কী থোংলোই হুক মরিমক গুনা পুন্না পায়েল অপুবগী অৰ্কনবা লাক্কাও থেনয়রে। গুহোকপনি। অহুৰনা হুংঙাইরগদোবা মতমদা মতম চাদনা প্রলয় থোক্কদোবা উহনা তাইবং অপুবা অরাবনা হুংবংনখি।

মতম অনিকা যোৎতাল খুদোনবা অপিকপা থাংলোক কৈগুমলাং অমদা মধু অমসুং মালতী অনিমক নাপচীক্রা অথুপ্পা য়ারী শারম্মী। মাংদা চাকলিকা জাতিমাইগী মঙানদ্ব অবনবা হুংশিন্না হয়না শকমম য়াওবা উনবা ফংদে। মালতীনা মোয়োন নোকলহনা হাঙ্গিরকই 'লানবু কদোম্ভ থেংনগদৌম্বিবগে' ?

মধু— লানগীবু অয়েপ্পা মতম লৈবরা? য়েকনবনা লান্দারবা মতমদা ঐথোইসু ইশা ঙাকথোক্লবা হোৎনদবা য়াদে ; লান হাঙ্গিববু অহুনি। অহুমনদি ওইরবদা ঐনা অহুক থাজবদি, ঙসি হয়েং অসিনক মৈতৈ লাম্মী পূমনমক থেবু চৌংথোং য়োরগত্রা হাঙ্গিনা নিংঙি।

শাবী শানৌ অনিমক ঙাইহাক পুঙ্গোই তুমিন্না লৈরম্বগা অবাবা থংনবা মুংশামপী হোল্লকই। কনানা করি খন্নিবা কনানা থংগনি? অবাবা মীনোক্কা লোইননা মধুনা হাঙ্গিরকই 'মালতী নংদি মৈতৈবু ঙঙ্গাম্লিংঙিগনি, নত্রা?

মালতী—মরৈবাক অমসুং মাহাক্কী জাৎনা মাঙ্গপাকলগা হুৎঙাইরোইদোবা কনা য়াওবগে? ইপুকথোক্ল নত্রবসু মোড়ালগী চেং চাহনা কোয়ৌ শীংবুম কয়া অসি লেপ্লকলে ; তৌইগুম্বসুং মৈতৈগী ঈনা ঐগী শিংলিদা চেল্লিঙৈ অসিদদি সুপীমক ওইরবসু ঐনা ঐগী জাৎকী মুংশিবা করম থাদোকলুবা ঙমগনি?

মধু— নংগী নকমদগী কান্নবা পাঙ্তাক অসি তারগা ঐনা পুক্লিংদা ইকাইদবা ঙমদে। তৌইগুম্বসু মৈতৈনা মাঙ্গপাক্লবদি ঐগীদি তাইবংচাক লোইরবা হাঙ্গবা অহুনি'। দোলাই ময়াম্বা ফংলে শগোল জয়সিংহ ফাগে হাঙ্গিহনা পুক্লিংদা হয়াওরম্মী ; তৌইগুম্বসুং মাহুগী ময়ামনা মোড়া খুদা অবাবা দশা তারিবা অসি থন্নুরবদি ঐগী শুনশি অসি লোমগদৌবা কুইত্রমাৱে নিংঙি

মালতী—ঈবুংঙী য়াইহে, শকফমনচিংবা অসি উরগা পুকনিংদা য়াথবা নোংমগী জাৎ ররমদা চিংনবা পোকই। পুক্লিংগী চিংনবসি কোকপা ঙমলারৱি ঙসিমক পুক্লিং হকচ অসি কংহুনা হুংঙাইজবা ঙমগদবনি। য়াসি হাঙ্গিরগা মালতীনা চিংলমনা অনিরজা ঝা লুইজা শিজ্জরকই।

মধু।—ঐনা হাইরিবসিনি ঐখু মোড়ালগী অথোবা অমমিং হাইনা থংগে। হাওগী অাখক্তা পোকপবহ ঐহি ঐগী মৌরিমথা থংবি, অৰুপিৰকী অমন খুৱক টং ইরৈবাককীমক অৰাই থাবা পাঙ্গলে। ঐনা হিংদুনা লৈরিউদা মৈতৈনা মোড়াল খুন লৌথবি ওইগোকতবনি।

অনুম ভাংনরিউ মতম অসিদা ইথং থংহোৌদনা চীংখোংদা নোংশাগী লাল্লাউ লাউবা তারবী—'জয় জয় দুর্গামাই কি জয়'। মাহু ভাহুনা মালতীনা ইথং ইথংনা হাংলকই "করিনো?"

মধুনা অমুক খুমলহা নংদনা থুনা য়াংনা চেহোকখ্রে।

মহোৌশাগী হৌনবী হাঈবা অসি অওকপগী মশকনি। হৌরিবতা বোংগুশিংবা তেংবানবা অসিদা মতম চানদা প্রলয় থোকহৌরমান্না হাঈনা নিংলমা অগু মাংখ্রে। শরৎকী মালংদা তাংথক নাইরবা থাবুংনা ভাংহোকসনলে। থরাম্মচাক লিশিং লিশিংনা অহিংগী অভিযানু লৈতেংলে। নামিবা সুংশিংনা লিরি লিরি শিংলকলে; তামনানা মঙাওবা থোরম্বাগী অথেবা সুংশিবা য়োমা খোংলকলে। মতম অহুনা মালতীনা কৈওমশং অহুগী থরাই মোড়াল য়োৌনা খোকলহনা মহোৌশা হাঈবী লাইরেম্বীগী নিংথিজবা অদু মাইকৈ থুংনা য়েংলম্মী। মথায় লমলম মণিপুর সনা লৈবাকলোমদা ওয়গা মিৎসনা অনিদা তরং লাইরা শিন্নরম্মী। মকেংদা খোইলা লেৎলিউ দুমলংনা নাদা চিল্লিউদগী তৌরকপা অমাকা সুংশিনবা, চান্নবকী থবক পুন্নমক থমুংনা শোল্লবা সুপী ওইবগী থন্মোই অদু অবাবনা খুদুম চনথী।

মাসি য়ৌরবদা ঐখোইনা মালতী হাঈবা অসি কনানো হাঈবা অদু ঐখোইনা থংজবা য়রদং তাকচগে। মালতী হাঈবা অসি মৈতৈ অওহা অমগী নাইতোম শাৎপা মযোমনি। মতম মমদা মোড়াল হাওশিংনা মণিপুর লান্দাহনা সুপী অওাং শেনখুম য়ামনা লুট তৌদনা পুখিরম্মী। চারকপা সুপী নহা অতৈদি হাওগী ময়ুমদা থমখিবা মরমনা মাখোইগী জাৎকী ধর্ম্ম ভাকপা ওৎখিদে। মালতীবুদি মোড়ালগী লুচিংবা অমনা তোঙানবা শং অমা শাহনা থম্বিরম্মী, হাও অতৈনা রত্তবা মচৎ অমা চৎপা ওমদনবা মোড়ালগী লুচিংবা অহুনা শং অহুগী অকোইবদা মতিক ওকপা থম্মী নম্মী।

মধুন্ন চৎরবদা মোড়াল খুলাকপগী অজাইদা লামবু খীরকলে। মোড়ালগী অকম অথো মগুম্বা খ্রাং তা লাইবুনা তিন্নরে; খীনবা তৌনা মোড়াল ইলবাকতা লামগীদমক শেমশাখ্রে। ধুনা মইরৈ অশ্নিমক রত্তুনা লানরোং শীজি—খুনতক রেওমমনা চৎবা য়ামনবা লালমন শাখ্রে। লমাইজা মোড়াল চৈবাকলি; কনানা চৎবা ওঅগনি?

মৈতৈ লাম্নী পুন্নমক দুখবু চিংখোং য়ৌরবদা তৌকম থংদরে। চীংখক্তা মোড়াল খুনদা হাওগী লাল্লাউ নিনখোরবা ভাঙি তোইওববুং রেংখৎপা নঙনা মৈতৈনা করিমতা তৌবা ওহা লৈত্রে। মরক রকত, হাওশিংনা চিংখকতগী খুং ও হুলথরকুনা মৈতৈ লান্নী মরকতা য়ামনা শোকনরে। হাও

পুৱমক মৈতৈগী পাৎৰ লৈতবা মতৌ অহু উহনা হমাওরুং পুখোকুনা-হমাওবা হৌরক্লে। শা মুনচিংবা চাদনা মকুনা, ওসনা অয়াই কানয়ে। অসুম তৌরিঙৈ মতম অসিদা মধুনা 'মালতীনা 'লরিবা শং অদনা চংজনো কক্লুই।

মধু— "মালতী। হৌজিক ফাওবা নহাক্না নিংথিনা থংবা ঙমদ্রিবমাক্লে; ফরে হৌজিক্তি থংদবনা ফয়ে। লহান মথৈ ঐনা নঙোন্দা হাওনি হাঙ্গিহনা ঐগী পরিচয় পীরম্মী, নংনসু ঐগী মপানগী ফিজেৎ অহুগা ঐনা চংশিন্নরিবা লমচং পনমনমক অসি উহনা ঐবু হাও অমনি হাঙ্গনা খাজরি। তৌইগুম্মসুং হৌজিক্তি ঐনা তৌরবা ফত্তবা থবক্তী মহৈগী মশক ওইনা ঐগী মাংগদবা মতম লাপত্রে।— মরম অহুনা ঐগী অশেংবা পরিচয় নঙোন্দা তাকলগে। ঐহ অশেংবা মৈতৈগী জাৎতা পোকপনি অমসুং মতম অমদা নংগা য়াম্না চামরম্মী, হুংশিনরম্মী হাঙ্গবা অসিমতং থংহৌ। অতৈদি নঙোন্দা হাঙ্গররোই; নংসু অমুক হংবা তৌরগনু।" অসি হাঙ্গরগা মধুনা থোং মপাদা থোকলিবা থোমজোংমুবী তরুকমকপ য়েংলহনা হীক্লা হীক্লা কপলকই। "নংবু অতোপ্পা শংদা থমদনা ঐ নত্তনা অতৈ চংহনদবা উরগা নংনা নপুকনিংদা ঐবু ফত্রবা হাওনি হাঙ্গনা চিংনরিগনি। তৌইগুম্মসুং ঐগী পাপনা মাংখ্রবা ঐগী জাৎকী ধর্মবু, ঐগী ইরৈবাকপু ঐনা মহৌশাদগী হুংশিজে। তৌইগুম্মসুং নহা ওইরিবৈদগী পোক্লখ্রবা নংগী হুংশিবগী লমন অমুক্তং থুম্বা ওম্বা য়েংগে হাঙ্গবগীদমক ঐনা মোড়াল নিংথৌদা তোংহনা মৈতৈ লাম্নাবনি। অসিদগী হেন্দুনা ঐনা নঙোন্দা তাকপা তৌররোই নংনসু হংবা তৌগনু। ঐনা মমাংঙৈদা হাঙ্গখিবা অদনি ঐসু ইরৈবাক্তী হুংশিবা থংঙি।" নংনা মৈতৈবু ওম্নমিংলবদি মৈতৈ লামীদা থংহল্লু— নোংচুপকী লোকখা তমনা হুমধরগা অপিকপ হাওরম অমা ফংগনি; অদন নত্তনা মোড়াল থুল চংনবা লমী অমা ফংঙোই।

অসি হাঙ্গরমলগা মধুনা থুনা য়াংনা চথোকখিরম্মী। মালতীনা হংনিংবা বা অমসু হংব নংহৌদ্রে; পীনিংবা পাউথুম অমতসু পীবা ঙমহৌদ্রে।

মধুনা চংখ্রবদা মালতীদি য়াখনগী চাংজো নাইত্রবা ঈপাক্লা তাখিরম্মী। 'হাও অসি কনানো? মাহাক্লা ঐহাকপু অহুক লুনা তৌরিবসিনা কন্নিগীনো? মাহাক্লা মশাগসু মৈতৈ হাঙ্গরি, ঐনসু মতম অমদা, মকম অমদা মাহাকপু উথিবগুম তৌরে। মাহাকী হুংশিবা কোলো অসিসু মতম অমদা তাগ্রে হাঙ্গনা নিংশিংঙি। মাহাকনা হাঙ্গরম্মী মৈতৈবু ওম্নমিংলবা নোংচুপকী লমী অসি তারুউ। ফরে লম্মী থংলবদি মৈতৈগী ইপা ইপুশিং, অসি অসিদা শোঙ্গদনা লাকনি, মৈতৈনা ওমলবসু ঐনা মৈতৈ নিংদোৗী খুমালা, ভুক্ষ মাহাক্তী মথরাইদদি নিগে। ঐনা হাঙ্গজবা মৈতৈনা তাবিগদ্রা?, কন্নিনী তাম্নোক্লগো

মৈতৈনা লান ঙমগদৌরিবদি মাহাকী থৌজালননি। তৌইগুম্বস্থং ঐহাকনা মতৌ করমনা মৈতৈশিংদা লম্বী তাকপা ঙমগনি। লাউদুনা হাঙ্গরবদি তাগনি হাঙ্গবদি থংডি তৌইগুম্বস্থং মাদু তৌরম্বরবদি হাওশিংনা ঐবু শোঙ্গদনা হাংলগনি। শিন্থু মশিঙ্করগে হাঙ্গববু মাহনম্থু থবক কান্নরোই। মৈতৈনা লম্বী থংপ্রে হাঙ্গবা অসি থংলনদি হাওশিংনা শোঙ্গদনা লম্বী অসিবু থিংনবা লাকনথিগনি। অম্থমনা ঙাইহাক থন্নুরগা মালতীনা মাহাকপু শংলিবা হাওশিং অদুদা য়েংলদুনা হাঙ্গরকই "ইপাখোই! ঐনা মুমদাং মুমদাং চন্না হেন্নকইবা অসি মতম কুইরকলে। ঙসিদি থন্না চানিংবগুম তৌই; অদুদা ইপাখোইগী হাওচেং অসি ঐখোই মৈতৈদি চাবা হৈনদে। মপানদা ঙাইহাকুত্তা চোই-খোকচগে।" অসি হাঙ্গদুনা মালতীনা মপানদা থোকলদুনা চেং চোইরকই অমস্থং মৈতৈ তেঙ্গোন শারিবা মাইকৈ অদোমদা মমাঙ্গ ওন্দুনা ফৌগু ইশৈ শকলকই।

চন্না চন্নু চলোইবা
খেবু চীঙ্খাং য়োরকপা
কানাগী মতিক লৈবগে?
নোংচুপ লোকতা কুমদনা
অথুবা হাওরম থিদনা
কনাগী মতিক লৈবগে?
হয়ুম য়ানবা থৌদাংকোক
হাওয়াম তুমথুন হুনপ্রে!
লম্বী থিঙ্হৌরো কানসিদা।

অসিনচিংবা।

মৈতৈ নিংথৌ।— ইপুখোই! কনানো চীংথক্তা ফৌগু ইশৈ শকলিবা অসে? তাও, অমুক্তা নিংথিনা তাও।

(ঙাইহাক তুমিননা লৈরগা) অহল ওইরবা লাম্মী অমনা হাঙ্গরকই "লহাল হাওনা ফাখিবা কনাগুম্বা মৈতৈ মুপী অমনা ঐখোইনা লম্বী থংদবা অসি উদুনা তাকলকলিবনি; মহারাজ! থীনবা ভৌদনা নোংচুপকী লোকতা কুমথদুনা মুপী অসিনা তাকলকলিবা হাওরম অসি থিবনা থোকই।"

অসি ঙাংনদুনা মৈতৈ লাম্মী পুন্নমক হাওরম অদু থিদ্না চীংদোল য়ৌনা কাখংলে। মতম অদদা হাওয়াম অপুম্বা য়ুগী নেশানা অসিবগুম তাদ্না লৈরম্মী। মৈতৈ লাম্মীনা 'দুর্গামাই' লাউই; তৌইগুম্বস্থং হাওগী লাল্লাউ অমতনস্থ মাদু ওকপা তৌদ্রে। মধুনা লানবুং থীল্লি; তৌইগুম্বস্থং হাও অমতস্থ চোংথোরক্লুনা তাগী জগোই শাবা লৈদ্রে। চুমদনা লান্নাবা হৈত্রবা মৈতৈনা কনাগীস্থ মাংনবা তৌদনা অহিং অদু পোথাদুনা লেল্লে।

ইম্নুং ঙাল্লে; চীখৈ খিহুপ হুল্লে; অয়ুক হাঙ্গবী লাইরেম্বীনা মথল মথা অয়াম্বা লৈগুনা লৈতেংলদুনা জগোই শাল্লে। মালংনা লোইরোই' শিত্তনা অয়ুকী থৌগল্লরে। মহৌশানা অয়ুকী নিংথিজবা উদুনা তরং লাইজা শিন্থরে। পোম্বী চেকলা পুন্নমক্তা অয়ুকী নিংথিবা উদ্না কারৌহ্নবগী য়াকাইরোল শকলকলে; ক্বাকী লানবাউ শীল্লে; চন্নোই তেতু খোংলে। তাইবং

মীগী অতনবগী মরীদা কাকা চরোইগা লাম্বিনরে। কোরৌহনবা লোংখৎলে। সনাগী লোলাই নেক্তনা চীথ্রৈনা মাংদা থা, অয়ুকী খুমুং লীরক্রে। মতম অসিদা মোড়াল হাও পুন্নমক লীচিং অমতা ওইনা হৌগৎলে। মধুনা লাম্বোং শান্দুনা হাওয়াম পুন্নমক মৈতৈ লাম্বীগী মথক্তা লান্দারে।

নোংশাগী লাল্লাউনা পৃথ্বী অসি থক থক নীকখিরম্মী। মৈতৈ অথৌবম্থ থাংগী জগোই শারে, হাওগী অকনবম্থ তাগী খৌশারম্মী। মোড়াল লোইগননি, অচম্বা হাওখুল নত্তে! ঈনা পৃথ্বী ঙাংলে। নাকন অনিমক্কী লাম্মী মথম্রাই খুবাকতা হাপ্‌না অকনবা লানফম থেংনরকই। তৌইগুম্বসুং লাইনা থারকপা মৈতৈ নিংথৌগী মমাংদা কনানা থাংগনি? হাওগী লাম্মী পুন্নমক য়েন্দেম শোইবগুম শোইরকলে; হাও পুন্নমক শমজী থাইদুনা চেম্নরকলে। তৌইগুম্বসুং কনানো, হাওগী লাম্মীদা থাংগী জগোই শাম্নিবা! মাহাক্কী থাংগী মৈনা অমুবা লানফি মরক্তা ফুইনা হৌবা নোংলক্তা নোংথাং কুপ্পগুম নিংথিজরি। লম্মৈ চাকলকলবদা লমগী শা উচেক পুন্নমম্না অকংবা মাইকৈদা চেম্নবগুমনা মাহাক্কী থাংগী মৈরিনা থাংবা য়াদত্তুনা মৈতৈ লাম্মী পুন্নমক চেম্না হৌরকলে। তৌইগুম্বসুং মৈরাননা মৈরিদা চোংশিন্দুনা শিবগুমনা মৈতৈ অথৌবা কয়াম্থ মাগী থাংগী মৈরীদা চোংশিন্দুনা শিখ্রে। হাও পুন্নমক্তা চেনখ্রবদা মাহাক্কী অথৌবা মতৌ অত্থু উত্তুনা অথৌবগী মগুণ থংবা মৈতৈ অথৌবা পুন্নমক্তা মাহাকপু থাগৎনরকই। তৌইগুম্বসুং মাঈপাকউ হাঈত্তুনা থারকলবা মৈতৈ লাম্মীগী মমাংদা মতম কয়া কুইনা থাংত্তুনা লৈবা ঙমগনি। থীন্দনা মৈতৈ অথৌবা অমগী থাংনা শোক্তুনা তুরে। মণিপুর নিংথৌনা তুরবা মোড়াল অথৌবা অত্থুগী মথক্তা খুলাই থাফদে হাঈত্তুনা থাম্মি।

অত্থুম তৌম্নিঙৈগী মতম অসিদা অম্নাপ্পদগী সুপী অমনা "মহারাজ! তুম্নিবা অথৌবা অত্থুগী মথক্তা খুৎলাই থাফদে, মহারাজ! তুম্নিবা অথৌবা অত্থুগী মথক্তা খুৎলাই থাফদে" হাঈনা লাউরত্তুনা মৈতৈ নিংথৌগী মাইকৈ তমনা চেনশিল্লকই। সুপী অসি কনানো হাঈবা অত্থুদি পাবীরিবা মী পুন্নমক্তা ভাকনবা নাইদবম্থ থংবিররিগনি হাঈনা নিংজৈ। মাহাক অসি ঐথোইগা মমাংদনা খংনখ্রবা মালতী অত্থুনি। মালতীনা মৈতৈ নিংথৌগী সনামাং য়োৗরবম্বা মখুৎ লোম্নত্তুনা হকৎচরকই "মহারাজ! ননাইনা থৌগল্লোন কাঈবদি ঙাকপিগনি, হন্দক মৈতৈনা লানঙমবদি অমম্নোমদা তুম্নিবা মোড়ালগী অথৌবা অসিগী থৌজালনি। মাহাক্তা মোড়াল খুনদা চংবা য়াবা লম্বী তাকপীত্তুনা ননাই ঐহাকনা লহান ফৌগু ইশৈ শকপা শাত্তুনা লম্বী তাকচখিবা অত্থুনি।"

~~মৈতৈ নিংথৌ— "নংদি কনানো? অসিদা কনম কৌনা মৈরম্বিরবনো?"~~

মালতীনা মৈতৈ অঙম্বা অত্থুগী মচানি হাঈদনা তাকলবদা নিংথৌনা মশক্ক খংলদনা মাহাক য়ামনা তম্নাম তম্নামনা তৌবিখী।

মালতী :—"মহারাজ। তুম্নিবা মোড়ালগী অঙম্বা অসিনা হাঙ্গম্বা অমা ননাই ঐহাকনা থংজবা ওমদদ্না লৈহৌই।— মাহাকস্ব অফবা মৈতৈ জাৎতা পোকপনি। মোড়াল খুনবু লান হৌহনবদি মাহাকনা নীংবা থুংদবা অমগী লমন থুক্নী মশক ওইনা হৌহনবনি। ননাই ঐহাকনা মাহাকী অওইবা পরিচয় হংবদি তাকউ হাঙ্গবা য়াখিদে।"

মহারাজ।— অদুদি ল্যাও, ঐ হঙ্গে।

মৈতৈ অঙম অথৌ পুম্নমকনা মনাক য়ৌরকলবা ফাওবা মধুদি থাংগী চৈনাথোননা ওঙ্খোইদুনা লৈরম্মী। মালতীনা তৌবিথিবা থৌজানগী তৌবিমল থংবগী মশক ওইনা ঊশিংনচিংবা চাইদ্রদ্না মাগী মতিক ওকপা সেবা তৌরবদা মধুনা মমিং পাংথোকলদুনা য়েংলকই। মাংদা মণিপুরগী য়াইফরবা নিংথৌরেনবু উবদা থুং লোম্নরদ্না থুরমলকই।

মধু।— মহারাজ। নিংথৌশেন্নগী দণ্ডি পীফম লৈরবদি ননাই ঐহাকস্ব মতিক চানা ফংফম থোকই ; লৈমনিংথৌ লংজবনা পাপ পুই হাঙ্গবা অসি অচুম্বা ওইরবদি ননাই ঐহাকস্ব শেঙ্গদনা নরকী কোমদা লুপতুনা লৈরগদৌবনি। মহারাজ। ননাইবু কনবিরগনু। লৈমনিংথৌদা লংজরবা মরৈবাকী মাংনবগী মশক ওইরবা ঐনা হিংজদুনা করি কারগনি।

নিংথৌনা য়া অনিগুনা ঙাংদনা মধু পুশেমদুনা লাকনৌ হাঙ্গবা ইঙ্গিৎ তৌরমলগা লেংথোরক্লে। মোড়াল খুল লোই চক্লে। হৌনবা লোইপোৎ, দোলাই ময়াম, শগোল ভুম্নসিংনচিংবা পুম্নমক লৌদুনা মাঙ্গ প্রাকলবা মৈতৈ নিংথৌনা মণিপুর সনা লৈবাক তমনা লেংলকলে।

লাইম্নিক মচা অসিদা ঐখোইনা ৱারীগী হৌনবী পুম্নমক ঙাকুনা পাবিরিবা ইবুংঙো, ইবেম্মশিংগী পুকনিং থুংনবা থৌগন তৌবা ঙমজদ্রে হাঙ্গদ্না পুকনিং ৱাদ্নদি লৈরি। তৌইগুম্বদুং তৌনিংঙাই লৈতবনা শাবীশানৌ অনিমক অসি পাম্নজন্দুনা ৱারী অসি তেনশিঙ্গরগে।

নিংথৌগী থৌজাননা মধুস্ব থুনা অনা লাইকোকলে। হংনবদা থংলে— মাহাকতি মৈতৈ জাং অফবদা পোকপনি। মপামপুস্ব পঙ্গেংফিরান থেৎপা অঙম্বা অদুগী মচানি। নহা ওইরিঙৈদা মালতীবু ফংগে লাকনবদা মালতীগী মপানা মহাকপু লৈমনিংথৌ থংনা তানথোকখিবনি হাঙ্গব-নচিংবা পুম্নমক নিংথৌ সনাপুক্লিংদা মথং মথং ঙমনা নিংশিংলকলে। অদুনা নিংথৌনা মালতীবু মধুদা থাজবিরে। অস্নমা অনিমক অসি কানা শীংজংনা থাঙ্গ, মনানা কাতিনা চপ, সনা লুপাগী মথক্তা নেংতুনা দুংঙাইনা পানখী হাঙ্গদো।

প্রলয় ।

'প্রলয় তৌগনি, প্রলয় তৌগনি' হাঈবা অসি ঐখোইনা নহা ওইরিঙৈদগী তাঈ, তাঞনা কিদবস্থ ওমদে। প্রলয় তৌরবদি পৃথিবী অপুম্বা ঈশিংনা পুক্কৎখিগদৌবনি— মাহুদগী ঈশিং অহুনা থাউ ওইহুনা অহুগা পৃথিবীনা দোশী ওইহুনা চাকদবনি। পুম্নমক চাকথেকখিগদবনি। পুম্নমক মাংখিগদবনি—কনাগী ইপা, কনাগী থুভা, কনাগী য়ুম, কনাগী কুল। পিকলিঙৈদা থাজরম্মী, থাজহুনা কিরম্মী। লাইরিক তৌরিঙৈদা নিংশিংলকুনা ওরাইবা তক্লি, কোঈরিঙৈদা নিংশিংলকুনা পুকনিংহল্লি। হৌজিক্তা অনৌবা লৌশিং পোক্কুনা হুহরি— অহুমকস্থ ঐখোইগী লু তোংদা শকপ্রবা থাজবনি—কিদবা ওমদে—তৌইগুম্বসুং অহুক হৃম্ববা য়াবদি থাকলবস্থ ওসি হয়েংমক্তি থোকলোইদবমাল্লে হাঈবা খংহুনা ফবনি। মাসি ঐখোইগী অহল্লমনগীদস্থ নত্তনা লাইরিক্কী বানি হাঈবস্থ ঐখোইনা ফংডি—প্রলয় তৌগদবনি, নোংমা মহৈমরোংনা কুপলবা শংবানবা পৃথিবী অসি শোঙ্গদনা মাংগদবনি। ঐখোই মী অমম্ভুং জীবগী থুদম অসি নোংমা শোঙ্গদনা পৃথিবীদগী মুৎখিগদবনি অসিনচিংবা। হৌজিক ঐখোইনা থাজরিবসিগী মরমদা বিজ্ঞান্না করি হাঙ্গরিবগে হাঈবা অদু য়েংসি। ঐখোইনা মমাংদনা হাঙ্গগ্রে ঐখোইনা থাজরম্বা পুম্নমক বিজ্ঞান্না ইথুথুগাঈরে। থাজ থাজদবগী রা থাদোক্কুনা মীগী কান্নবগীদমক লিংখৎলবা বিজ্ঞানবু ঐখোইনা ইকাইথুম্নদবা ওমদে।

ঐখোইনা কিবগুম্না বিজ্ঞাননস্থ লাউরি— চুম্নি, পৃথিবী অসি নোংমদি শোঙ্গদনা মাংগদৌবনি। হৌজিক খংদে, হোয়েল খংদে, ওসি খংদে, হয়েং খংদে; নোংমদি শোঙ্গদনা মাংগদবনি। ঐখোইদস্থ নত্তনা বিজ্ঞান মশামকস্থ কি—খংহৌদনা পৃথিবী অসি হেক উফুল ওইনা তোইহুনা চাউ-থৎলবা বিজ্ঞানবু থাগৎপিনবা লৈতহুমা মাংগত্রা? ঐখোইনা পৃথিবীগী হিরম তম্বদা ফংঙি— হুম্নিংকী অকোঙ্গবদা পৃথিবীনা মাগী মরম অমদা তত্তনা কোঈরি, তৌইগুম্বসুং বিজ্ঞান খংবা পণ্ডিতশিংনা অচুম্বা থুদম পুম্নমকা লোইননা উৎলি— পৃথিবীনা মাগী মরম অহুদা মতম পুম্নমক্তা চপ চানা কোঈ হাঈবতগী হাঈনিংঙাই লৈতে; করিগুম্বদস্থ মাগী মরম অত্তুদগী লাপথোকনস্থ নত্রগস্থ নকশিন্নস্থ চৎলি— নিউটনগী কান্নরবা মাধ্যাকর্ষণ ফোংদোকপৈদগী বিজ্ঞননা চাউথৎপা থুঙম ফংহুনস্থ অময়োম্মদদি হাখনগী লাং অসি য়াম্না য়েৎনরে, মাহু মহৌশাগী হৌনবীম্নিনি। মরম অহুনা বিজ্ঞান্না কিরম্মী —পৃথিবীনা মাগী মরম কাঈনা চৎপা মতমদা খংহৌদনা গ্রহ অতৈ অমগা হেক থেনহুনা ঐখোইগী ইমা পৃথ্বীনা মচা পুম্নমকা লোইননা মাংখির্গত্রা? তৌইগুম্বসুং লাপ্লাস কৌবা পণ্ডিত অমগী বাখনদা ফাওহনা মাহাকনা লৌদবা ওমত্রবা প্রমান পুম্নমকা লোইননা বিজ্ঞানবু অমুক খেমজিল্লি "শা ভৈবী" লংদা য়ানবা লৈতুমনা অকম কাঈরবস্থ হাম্নগী মফমদা শোঙ্গদনা তারব-গুম্না পৃথ্বীনা মতম খর খরদং মাহাককী মরম কাঈরনস্থ হাম্নগী মফমদা লাক্কুনা চৎলগদৌবনি।

অমিত্তরকপদা ঐথোইনা কিবা অমা লৈ— পৃথিবীগী মরাক্তা নকনা চংলবা ধূমকেতুশিংগী মাগী মরম কাঙবা মতমদা নত্রগা কাঙদবা মতমকুম্ হ্ন্বিগুম্বা থেংনহনা পৃথিবীদা প্রলয় তাগনি তৌইগুম্বসুং বিজ্ঞাননা ধূমকেতুগী মচেং অমা ককনুনা পৃথিবীগী মচেং অমগা থেংনহনুনা য়েংলে— মাংখদি ধূমকেতুদনি। ধূমকেতু হাইবা অসিদি য়ামনা য়াংবা পোংনি। মাহাক থেংনরদা মশাগী মাংবা নখনা পৃথিবীগী অহিক মাংহন লৈতে। ধূমকেতু থোকপা কুমদা পৃথিবীগা থেংনগনি চুম্নি— মরম অদুনা মাগী মজেনা থরাম্নিচাক মথীনচিংবা ওইদুনা পৃথিবীদা তারকই। মাদুগা লৈবাকী অক কক্না ওাহোং চাকহোংবগা করি মরি লৈবা মাদুদি থংজে।

মাসি ঐথোইগী পৃথিবীনা কোঙরিবা হুমিং অসিত্তী বানি। মালং অসিদগি অসিগুম্বা হুমিং কয়া থোকলি হাইবা কনানা শীংথাবা ঙমগনি। বিজ্ঞাননা মপানগী গ্রহ অতৈদা থোকপা থৌদোক অমসু উরুদুনা পুকনিংদা য়ামনা চিংনরি। কম্নিগুম্বা গ্রহ অমা মহৌশাদগী য়ামনা হেন্না লংনা চাকলমলগা মতম থরগী মতুংদা পুমউ উথিত্রবা য়াওই। মাদুগী মরম বিজ্ঞাননা হাঈ— গ্রহ অদুগী হাইড্রোজেন চাকুনা মাংগ্রবনি। হাইড্রোজেন চাকলবতদা ঈশিং থোকই।— মরম অদনা পৃথিবীগী সমক্ক লৈরিবা মতৌ অসি উরগা পণ্ডিতশিংনা পৃথিবীগী হাইড্রোজেনগী শরুক মতম অমদা চাকখিবমান্নে। মাসি লুমন্নি হাঈরবসু গ্রহ অতৈনা চাকথেক্নুনা মাংবগুমনা পৃথিবীদি য়াদে হাঈবা কনানা হাঈরগনি।

পৃথিবী মন্নুং অসি য়ামনা শাত্নুনা লৈ, হাঈবা অসি ঐথোইনা থাজে। মপানদা নুং অমসুং ঐথোইনা লৈনরিবা লৈবাক অসি শীত্নুনা পৃথিবী অসি জীবনা লৈবা য়াবা মকম ওইখ্রিবনি। মরম অদুনা মন্নুংদা লৈরিবা অশাবা মনিল অদনা মপুং ফারকুনা পোকথাঈদনা নোংমা পৃথিবীবু উজ্জার শাহন্নোই হাঈরসু কনানা হাঈবা ঙমগনি

থানা পৃথিবীগী ঈচেন পুন্নমক্কী ওন্ন তৈনবা মাইক্রোমদা চত্তনা মহৌশানা পৃথিবীনা ওনবদা পান্নি ; অদনা পৃথিবীনা ওনবা তপথরকই অমসুং থানা মথং মথং লাপথোকখ্রি। ঐথোইগী হৌজিক্কি পুং কুনমরিনা নোংমা শারি— তৌইগুম্বসুং বিজ্ঞাননা হাঈরি, পৃথিবীদা অসিগুম্বা মতম অমা লাকখিগনি, পুং কোটি কয়ামক্কমনা নোংমা ওইরগনি। মরম অম্নিমকতনা পৃথিবীসু হুমিংতগী লাপথোকখ্রি। মরম অদুনা পৃথিবীনা নোংমা গ্রহ অতৈগা থেংনহনা মাংবসু য়াই।

মমিং চংলবা হেলম্ সাহেবনা হাঈ— ঐথোইগী হুমিং অসি কুম কুমগী অতুম পিকথরকপগুম তৌই। হুমিংনা অতুম পিকশিল্লকপগা লোইননা মাগী মগুলদসু মঞ্চেং তাই। মগুল কংত্রবদি মথরাই পানবা জীব পুন্নমক হিংবা ঙম্মোই হাঈবা অহুদি হাঈদুনবু অরেম্বনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা মতম অমা লাকখিগনি হুমিংনা মাগী মগুল পুন্নমক মাংখিদনা অমম্বা মতুম অমা

ওনখিগদৌবনি। মতম অদুদগি পৃথিবীগী জীব-পুম্নমক মাংখিগনি হাইবা অদুদা- করি-চিংনকন লৈবগে ?

লর্ড কেলভিন হাইবা অসি মতমগী বিজ্ঞানগী লমজিংবনি হাইরবসু খোইনা লানবা খোকলোই। মাহ কয় পণ্ডিত অতৈ অতৈগী বা পুম্নমক নৈনরগা মশাগী বা অমা কোংদোকই—গ্রহ উপগ্রহনচিংবা পুম্নমক অসি মাথোইগী মপাঙ্গল মাংবগা লোইননা পুম্নমক সুমিংতা তিনখিহুনা নোংমা শোইদনা মহাপ্রলয় থোকলগনি। মহাদা মহা ওইরিভেদা অহুল্লমুনদগী তাহুনা কিয়ুগী, ময়াইদা লৌশিংগী মতান খরা ফংলকপদা বাথমা লাম্বা ফংদহুনা কিরমদে; হৌজিক অসিদা অমুক বিজ্ঞানগী বা অসি তাবদা কিদরা ওমদে।

লোইরবা।

অর্থ।

মীওইবা।

মহৌশানা শনগী মথোং মরি ...... হাঙইবদি শনগী মথোং মরি পাল্লিবা অসি মহৌশানি, মথোইনা হোৎনদ্রুনা মাহু ফংবা নত্তে।

পোখি—থবক পাঙইভ্রিভৈদা মাগী পোরম হায়া থনবা অমসুং শীনবা।

অঙাওবগী রানি .... মশাগী সুংঙাইনবা লাকনবা নত্তনা অতৈগী হোৎনরুবদি ওস্মোই হাঙইবা থংলে; অত্নমক্তদা অরেম্বদা মাহুগীদমক ঙাওবা অমসুং হোৎনরুবা অসি অঙাওবনা বুদ্ধি তাদনা কায়গনি কায়রোই থংদনা হোৎনবগুম্বনি, অরেম্বনি।

দিল্লীপ—কালিদাসগী মমিং চৎলবা রঘুবংশ কাব্যগী নায়কনি।

ভাগ্যচন্দ্র।

ভাগ্যচন্দ্র হাঙইরিবা অসি মণিপুরগী মমিং চৎলবা কার্ত্তা মহারজবুনি। মারেং অসিদা ফিদম ওইবা অমসুং রাথনগী মতিক চাবা লোন ঙাকনবগীদমক থৌগন লোন কাঙইবা লোন "মাহাক" অসিনচিংবা অসি শীজিন্নদবা য়াদদ্রুনা শীজিন্নরে। মাদগী মক নত্রবদি রারেং অসি থাক অমা হুন্নবা তাই হাঙইবা অদু থংনরবা রাগুম্বনি।

ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা মৈতৈগী জাৎতা .... ভাগ্যচন্দ্র হাঙইবা অসি মহারাজগী মঙ্গল ওইনবা থোনবা নত্তনা অমরোমদা মৈতৈগী ভাগ্য হাঙইবদি লাইবক্তা চন্দ্র থাগুন্না থোকপা হাঙইবা অসি মৈতৈ জাৎকী ফনবা পোকপনি হাঙইবা থংনৈ। অহল্লমক্লা হাঙইনবা লৈ—ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ হাঙইবা অসি নরোত্তম ঠাকুর মহাশয়গী অবতারনি; লোইহৌভ্রিবা বৈষ্ণব ধর্ম্ম শন্দোকখ্রবা (মৈতৈদা) পোকপনি অসিনচিংবা।

ন কাজে বিজয়ং কৃষ্ণ .... লান ওম্বনু পামত্রে, লৈবাক অমসুং সুংঙাইবসু ফংজনিংদে।

থোক্ষিবা অমসুং মশাগী ইকাই খুমনবা।

তময়া পমেল য়ৈনা— চীংয়াগী মনাক্তা হৌবা উ পাম্বী খুদিংদা

পোংগী মশকনি— পোংনা ঈশিংদা কাম্নবগুম্না মশাগী ইকাইখুমনবা পুক্চেননা অৱাবা তান্নবদা মীগী কান্নে।

নাপন, থোঙ্গবা, চাউথোকপা হাঙ্গবা পুকচেল অহুম অসি তিন্নে হাঙ্গনা খনবা চুমদবা মান্নে।

খম্বা অমসুং নোংবান।

যথা ধর্ম্ম তথা জয়— ধর্ম্ম লৈবা মফমদা জয় ওই। পাউতাক অসি খম্বা থোইবীগী ৱারীগী মতাং খুদিংদা উবা ফংনৈ।

লোইরোঙ্গী— তপনা।

কাক্তা— কুম্বী মনাক্তা লৈবা লমদম অমা।

লাঙ্গোই শগোল— লাঙ্গোইগী অর্থসু শগোলনি। মৈতৈ লোন অৱিবদা অসুমনা অনি লোইননা চংপা ৱাহৈ অসি য়ামনা য়াম্মি। মাহুদি কাওরেন বম্বী, নোংমদোন অতিয়া অসিনচিংবা।

মৈহুম মোরোক— মমাংঙৈদা কৈবাউ চংপা অসি মোরোক য়াওবা পাম্বীনা মৈহুম শেমদনা মৈ খাদনা চংনৱম্মী হাঙ্গনা অহন লমন্না তাকপিই। মজা ইবেম্মনা লোইকারবা মতুংদা থোইরেম্বকী লময়াইদা (ফুম্বালারোমদা) লৈশাবী মচা অমা কৈনা শোকলে হাঙ্গদনা নিংথৌদা কৈবাও হুঙ্গলম্মী। মোইরাং নিংথৌনচিংবা পুন্নমন্না কৈ অসি ফাবা মীদা মজাইবেম্মা পীসি হাঙ্গখ্রনা লেপনখি।

ধর্ম্মগী কৈনি— হন্দকী কৈ অসি খম্বনা মমাংদা ফাখিবা কাও অতুগী শাইওন্নি। কাও অতুদি খম্ববু পোকপী ঙাংখরৈমগী আউনবম্নি। পাম্বা— কৈ।

ঈশিং কক্কম থোক্তে— শামুখোং য়েৎঙৈদা খম্বনা ঈশিং খুজোক অমতং নিজদা নোম্বানন পীখিজে।

নগা ইতাও পুন্নেনবা— পুন্নেনবা হাঙ্গবা অসি খম্বী মপানি অমসুং থোতেলবা মজাও শাজম্মী মতম অমদা মোইরাং নিংথৌনা শাতানবা চংলদা কৈ অমা নাথোকখিরম্মী, কাম্বুগী খুঙ্গাইতবন নিংথৌ তুম্বা কাওবা য়ারমদে। অহিং অমমতমদা চংখিজনা কৈ ৭ নাজনা কাই। অসুম থৌনা ফবগীদমক মোইরাং নিংথৌনা নিংথৌগী লৈমা অতোনবী ঙাংথরৈমবু পুন্নেনবদা পীখী ঙাংথরৈমনা খম্বগা খমনুগা পোকলগা শিখী।

থোইবী মরোল মরোল— লমজেনঙৈদসু থোইবী পীগনি হাঙ্গখী কাওকাঙৈদসু পীগনি হাঙ্গখী।

ভালোই— মতু।

হরিশ্চন্দ্র অমসুং শৈব্যা।

ভারতকী চিদাই অসি— মণিপুর।

থৌজাল।

য়োহেনবা— চাউথংপা।
শানৌ— অঙাং, নহা।
কাকনা খোংবগুমনা— থোইনা তানিংদবা।
গোমুখী— হিমালয়গী চীংশা অমনি, মাসিদগী গঙ্গা চেত্থরকপনি।

মোইরাং থোইবী।

অমতা পোকপী থাদোই— থোইবী হায়বা মসি মোইরাং নিংথৌ পুরিকলাইগী মনাও ইবুংঙো চিংখুবগী অমতা ঙাইরবা মচানি।
নৌদা নৌবী অনৌবী থাওদন মানবী তথোংপী হায়বা অসি য়ামনা কে-মৌরবী মপীগী বিশেষণ (adjective) ওইনা শীজিন্নৈ।
শেয়—শেয় হায়বী অসি থোইবীগী চাল্লবী মনাইনি।
শল্লিক চংনিংখোম্বী— মাসি তুমুরাকপগী মচা মপীনি। মতম অহুনা তুমু হৌজিক্কী টামু কাওবা অসি মোইরাংগী লম ওইরম্মী।

মণিপুরগী ইতিহাস।

অপোকপা লোন— মাসিদা শলাই ৭ মক্তী বা প্রমান ওইনা য়াওই। অসিগী জাৎ খুমন লোন, লুৱাংলোননচিংবা লাইরিক থরম লৈ।
হুবিকা লাইশাবা— মসিদা খুদম থরনা অনাবা পুন্নমক থাংনবা হিরম ই। মাসিদা বাইকেমিক টি-টমেন্ট কুবা হিরম হায়া ইয়ম্মী হায়বগী প্রমানসু বংই। থেবরোনম্রচিংবা অসি অসিগী জাৎনি।
পাজিগী বা থয়া হাপলিবা অসি হুবিকা তারোন অচৌবা হায়বা অহু তমজরুবদগীনি।
হুংখিনগী চেকলা অহিংগী তন্দন— য়ামনা কান্নবা।

অতনবা অমসুং মপুগী শিঙ্গং।

কোয়োহমবনা লাক্লোই শগোল থোঙ্না— ছুমিংনা শগোল তোংহ্না ভেংবানবা অপুবা থুঙ্না [illegible]
রেল্লি হাঙবা অসি সৌবল লাইয়েংবীগী লাইরোমদা য়াওই।
গুরুগী য়াথংনা কাউত্রিডৈ-হাঙবদি মহৌশাগী হৌনবী কাঙত্রিডৈ।
লম নৈমা—লক্ষী।

শিনবদি মিংচৎতনি।

ঐবু লোইবা থবাইনা........... বাসাংসি জীর্ণানি.............................. নবানি দেহী। (গীতা ২য় অধ্যায়)

মহৌশাগী ভাবক।

ভাবক— ঈশ্বর নোংমাইনচিংবা ভারিবা য়েংলিবা মী অমুবু ভাবক কৌই। মাসি সংস্কৃত ভাবুক
হাঙবা অসিদগী থোরকপা ওইরমল্লে।
মালং অসিগী পোৎ নত্তে—পৃথিবী অসিগী পোৎ মত্ত।
কোলোই - ঈশ্বৈ।

থাগিগী লামকম।

য়ারী অসি ঐবা লাইরিক অমদগী কাংখৎবা নত্তে। মাসি ঐগী ইপা পোকপা ইবেনমা থরোইগী লান তৌহনগা ঐথোই পুমমক্তা বারী ইত্তত্তনা লৌবিই। ঐগী শাগেগী মৈত্রোয়োননি হাঙহনা লৈরিবা লাইরিক অমুগা মাসিগা য়ামনা নকনবা মরী থোকপনা মাসি ঐনস্তু ইত্তত্তনা নিংশংই।

মধু মালতী।

লাইরিক অসিদা য়ারী অমতং য়াওরবদি লাইরিককী মমিংগী অওইবা [illegible] য়াব্রোইদব [illegible] [illegible]। লাইরিক মজা অসিদা [illegible] হৌনবী ওঙ্কনা [illegible] মতিক [illegible] য়ারী লোংরুমি [illegible]। মেবু নাবরী রা অমু কনাই মশৈ কাইরনা থবা ওঙ্গ [illegible] [illegible]
মোক্তাজ—ময়াং লন্নীবা লৈবা য়াওখুল অমগী মমিংনি।

কোৎপবা লাইরিক্সি; অহানবা থুরেংম (First Edition) দি খৃঃ ১৯৩০ ইংরাজি, মসি Calcutta University Calendar 1958 দা কোৎলোকদি।

রাখলগী ঈচেন

শ্রীখ্বাইরাকপম চাওবা সিংহ

ৱাহৌদোক

লাইরিক অসি ঐহাক্না লেংজখিবা ৱাখল, থিজনুটিংবা লাইরিককী খরদং হেননা নুবা লাইরিকনি। মাসিদা মৈতৈগী লৈজরম্বা ভাব লোয়নচিংবা অমত্তু খরদং ফোংদোকপা য়ানবা লাকনজরি। বঙ্গদেশকী মিং চংলবা লাইরিক লেংবা ৺কালীপ্রসন্নঘোষকী নিভৃত চিন্তানা কলেজকী পাঠ্য ওইনবা উবা অমত্তুদা মাগী ফিভম অমত্তু লাক্নুনা, কাম্নগদবা মফমদা মাত্তুদগী ভাব কাওবা লৌত্নুনা, করিগুম্বা ত্তুংদা ঐখোয়গী লৈপাক্কত্তু মকান্নবা থংদে হায়না খনবদগী মাসি হোৎনজবা হৌখি। অমত্তুগা লাইরিক অসিগী অয়াম্বা শক্তি থাইনগী মৈতৈ উআসিংগী ৱাখলচাওবা উৎপগী শক্তকনি হায়বদা খোইনা চিংনফম লৈতে।

শ্রীখাইরাকপম চাউবা সিংহ
উরিপোক সোরবন থিংঙেল।

য়াথংগী ঈচেন

মৈতৈলোন

লোইবী চৌংগী নাপোমদা শীঙেন ইঙেনলৈনা লৈরাং লৈকাকয়া শাংকাররি। লমগী য়ামিবা মলয়া হুংশিংনা নম্বিনবা কনা য়াওদনা শীঙেন অরেম্বদা লৈরাং লৈনম য়েল্লি। ঈপাহাম্বীদি য়াকমৈ শরৎঋতুগী কোকচীন, কবিগী পুক্কিংনা লাংতক্করবা মতম অসিদা নাইতোম শাৎলবা লৈরাংনা চিনবীহোৌনবা লৈতনা মালেমথক্তা কেনখিবা উরক্লুনা য়াথল চাওবা মৈতৈ কনানা অরা তেংথানরি।

চৌংদা শাংপা ইঙেনলৈ,
চিন্নদনা কেনখিবা,
কররকই দে।

পলেমগী খোমলাং অমৃত থাক্লৈদেগী অহানবা শিন্দম ওইহুনা নবাগী কোলোই অহানবনা পলেমগী মিংকম কৌনরক্লবা ঐখোয়গী ঈরোল—হুংশিরবা, পান্দ্রবা ইমারোল, মৈতৈলোন অসিন্থু অয়াম্বদি লৈরাং ইঙেনলৈগী পান্দম ওইরে। লৈরাং ইঙেনলৈ হায়বা অসিন্থু নিংখিজরবা লৈরাংনি, তৌইগুম্বহৃং উবিনবা' নম্বিনবা লৈত্রবা লোইবী চৌংথাংদা শাৎলুবা মরমনা য়াথল চাওবা কবি থরগী তেংথারোল ওইহুনা তোক্লরে। অরাবনি! লৈরাংগী মগুণ থংলবা শাবী শালৌশিংগী শাইগং তময়া নকনা শাচ্ছরমলবদি চিগোংলৈনা য়াইদ থেং, শনকুপলৈ শম্রেনা মচল চানা থাল, লৈরাং শাচ্ছবগী মহৈ য়ামরমগদবনি। ঐখোয়গী মৈতৈলোন অসিন্থু অসিগুম্না লৈরাং খিখিনবা লৈরম, কোলোই শকপিনবা য়াওরম, অহুমক নত্রবন্থু কোলোই তাবিনবদা য়াওরমলবদি মালেম অসিদা চংনা লৈরিঙৈদনা নোংমদোন লাইরৈবাক্তী বীনাগী খোঙ্গেন্ তাহুনা পুক্কিং পেন্নবা মখৈতদি ওমজরম-গদবনি অরাবনি! মেংলা মিংখিরবা মৈতৈলোন অসি চৌংদা শাংপা ইঙেনলৈগুম সমুদ্রগী ঈয়ায়দা লৈবা মণিগুম, চৌংনা কোইনা পনশাবা, হাওনা কোইনা পনতাকপা লৈপাক অসিদা অরেংদা থংবিনবা লৈতনা তাহুনা লৈরে।

ঐখোয়না অহুম্না মরম লৈতনা নারদগী বীনা পায়হুনা, কবি নত্তনা কবি শাহুনা, জগোয় খোংলৈ কায়বনা মৈতৈলোনগী য়াকাইরোন শকপা তাকপা মরোন হুংশিজবা, মরোন পান্দ্রবগী খৌইনশিন্নমি হায়বা থংবিহুনা কনানন্থু তাথীবিরোই হায়বদি থংডি, তৌইগুম্বহৃং কনানা মৈতৈলোন

অসিবু পাম্নকম থোকপগে ? [illegible] ইরোনবু অমুক নৌহৌনা তমলুবগী করি কাম্নকম লৈবগে ? খরনা অমুক [illegible] — মৈতৈলোন [illegible] করম্বা মতমগী মতিক চাবা রাখল, লৌশিং থোককম্ব লৈবগে ? খর্না খর্না অমনা মৈতৈলোন অসিবু পুক্লিংগী রাখল ফোংদোক্নবদা শুত্রবা য়াম্না চমলবা হাও নাইগী লোনগুম নিংঙি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না রাহং পূম্নমক অসি খুমনিংবা অমতম্ব য়াওজ্রি। মৈতৈ কনানা মশাবু মৈতৈলোন হৈরে, শুনা খংলে হায়বা ওম্বগে, তৌইগুম্বসুং মখোয়না খংবনা চুমই — জাতিগী লোন জাতিগী সাহিত্য চাওখৎপা হায়রবা অসি জাতি অমুহু চাওখৎপগী খুদম অমসুং চাওখৎনবগী পাম্বৈনি। মীরৈপাকী লোন, মীরৈপাকী চাওখৎনবা লাইরিক পূম্নমক পাবা অসি য়াম্না কাম্নবা, তৌগদবমক্কি হায়বা অসি ঐখোয়স্থু থাজে, তৌইগুম্বসুং মহু মী কয়াগী মরাইবক্তা যোকপা য়াবগে ? মাহুগী অশম্বা খুদমবু মী পূম্নমক পেনা তাবা চংলি — অতৈমক খংওক্তবসু [illegible] মৈহৌগী কোলোই মপাও মখেদা তাতনা মিংলুদা তরংগী ঈরা চেনবা ওম্মি। লোখোয়া [illegible] মায়দা মারমিবা [illegible] — [illegible] — হায়বা পাওতাক ফংহনা ভাজক্কবগী কাম্নবা [illegible]। তৌইগুম্বসুং [illegible] খালবা ওয়াজিং খরদং নত্তনা কনানা বাসক তাবা চংপগে। পূম্নমক বাসক য়েংবা চংপা ঙাক্তনি। তৌইগুম্বসুং ইশৈবু য়েংবা হায়বা রাহৈ অসিমক রাহৈ অরানবা মওংনি, অচুম্বদি বাসকী ইশৈ তাবা চংপদা ইশৈনা কুরি হায়রি হায়বা অহুদি খংদবনিনা পালাগী চোলোম, পুংয়ৈবনা চোংবা য়েংহনা হুয়ক্লে, কনা অমনা মীয়াম তিনবা য়েংহনসু তোকই। অওইবমক মাগী মাগী মরোনগুম্না লৈপাক্তা কাম্নবা রা শন্দোক্নবা পাম্বৈ অমা লৈতে। অনিশুবা রাহং অসিগী পাওখুমসু য়াম্না লায় — হৌজিক অসিদা মৈতৈলোন্দা মতমগী মতিক চাবা লৌশিং ফংবা য়াবা লাইরিক য়ামদে হায়বদি য়াম্না চুম্মি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না অমুক হংনিংবদি মাহু কনাগী করাক্নো ? লোনগীনা ? তোল্লিবা মীগীরা ? চাওখৎলবা মীরৈপাকী লোন কয়া হৈরবা, সংস্কৃতলোন, খংলবা পণ্ডিত কয়া মৈতৈ লৈমগী মচা ওইহনা পোক্লে, কয়ানা অরাৎপা অহু মেনশিনরিনবা লাক্লিবগে ? হৌজিক অসিদা ইশাগী কাম্নবা নত্তনা অতৈ খম্নবা মতম ফংত্রবা অসিদা মৈতৈলোনগী কবি পূম্নমক্তি কনাহু ঈচং থৌকয় থোক্তে হায়বা ঐখোয়সু খংঙি, তৌইগুম্বসুং মাহু অচুম্বনি হায়বদি ঐখোয়না য়ানিংদে। মরমদি জীব ওইনা পোক্লগা মাগী পোক্নকম লমদম মপামলসু মুংশিত্রবদি মাহাক অহু ওক্নোকপা মী অমনি হায়নিংঙি। কবিনা করি হায় :—

Breathes there the man with soul so dead,
Who never to himself hath said,
This is own my native land ?
If there be, go mark him well.

অওইবামক মাহাক্কা পোকপা অহু অরেম্বনি, পলেম অমসুং মপাম হায়বা অসিদি লোম্নারেরবগী লাইরেবাক্কীসু হেল্লি হায়বা অচুম্বনি। স্বর্গ মথক্তাই হায়বদি উক্নবা মী কনাদা [illegible] ঈনতে

পোক্লকমগী হুংশিংববু খংগ্রবদি মাহাক মাওহবগা শাংনগা হেন্দোক্লুনা জীবগী শীং কাওবা চন্দ্রবনি হায়না খংবনা চুম্মি।

—জননী জন্মভূমিশ্চ স্বর্গাদপি গরিয়সী—

তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না হেন্না বাবদি:—মী কাংবু অমা লৈরি, মাখোয়না খংদনা য়াম্না অহৈ শাজনিংঙি। ঐখোয় মৈতৈগী অহৈ অশিংগী অরত্তুনা মাত্থু খরা হেল্লি। মাখোয়না মপোকতৌদগী মৈতৈলোনগীদমক মিকুপ পুংজা অহুমদং কাইথোকপা ওম্মিগদ্রা হায়বদি পুক্লিংদা চিংনবা পোকই, তৌইগুম্বসু খংগ্রবদি খংগ্রিবা পোৎ অহুদা চিংনবা য়াই হায়বা খংনা খংনা ঐখোয়না মাখোয়দা তাক্লিংবা খরা লৈ; মাখোয়না করিগুম্বা অমদা মরান হাপকে হায়না নিংলবদি মাত্থুগী মরান লৈ, লৈতে হায়বা হান্না খংদোকপা চুম্মি। মৈতৈলোনবু খরদং নৈনত্থুনা য়েংলুরবা মীনা য়াম্না লাঙ্গনা ঐখোয়না হায়রিবা অসিদা থাজবা পোক্কনি, মৈতৈলোন অসিসু চাওখৎলবা লোন অতৈ অতৈগুম্না মীওইবগী অৱা অনানচিংবা পুন্নমক পুবদা লাঙ্গনা ওমলম্মে। মরমদি সংস্কৃতলোম্না বাঙ্গলা লোনগী অহানবা ইফুৎ ওইবগুম্না মৈতৈগীসু অরিবা লোনগী খম্বা হৈগ্রবা ইফুৎ লৈরি। ভাগীরথী গঙ্গানা গোমুখীগী মাপোমদগী চেস্বরক্লগা লম্বীদা উপনদি ময়ামগা তিন্নতুনা ঈচেন মপুং ফাবগুম্না মৈতৈলোনসু লিংথিরবা সংস্কৃতলোন কয়া লাক্লুনা তিল্লরে। মাত্থুগী মথক্তা অর্থ অমতা ওইবা বাহৈ কয়া শাবা শালাই মথক্তা পুন্নমক তিন্নখিবগী মহৈ ওইনা পোকথোক্লক্লে, হাও কয়াগী লোম্না তেংবাংলে লোই কয়াগী লোম্না তিল্লরে কবোলোন য়াওরে, মীরৈপাক্কী লোন কয়াগা য়াম্নরে। অওইবমক মৈতৈলোন অসি চাওখৎপা চামগী মপু ওইত্থুনা লৈরে। তৌইগুম্বসুং মাখোয়না করিগুম্বা মরাল অমতং হাপনিংলবদি লোন্দদি নত্তে, মাবু লোল্লিবা মীশিং অত্থুনি।

অত্থুম অত্থুম ওইনমক, য়োইবু য়োইহেল তাল্লিবা শাবি শানৌশা। পলেমগী অহানবা অয়ুখোং লাংশিনবা উবদা করিগী অৱাতেংথানরিবা? করিগী নিংথা কায়বগী অৱাবা শোর হোল্লুবা চীংমা কোয়না পনশাবা হাওনা কোয়না পনভাকপা মণিপুর সনা লৈপাক অসে থাবল চাওবা কর্ণিগী মতিক চাবা পোক্লফম্মি। বসন্ত ঋতুনা লাকপদা হৈরাং লৈরাংগী মপৈনা খোংগংজাবা খোইমু লাম্বা অমোমগী অরাম খোরাংবা কোক্লরি। ইংলবা মলয়া হুংশিংনা লোইরোই লোইরোই শিংঙনা তাইবং মৈচাক কোক্লরি। পামেল উফৈ লৈনা অয়াম্বা পোশ্বী চেক্লা মপৈনা পলেমগী য়াকাইরোন শক্লি। শরৎ কৌবা ঋতুদা তাংখক নাইগ্রবা থাবুম্না নোংপোক মালং লৈতেংলি। লোইবী চীংথাং থুদিংদা তাম্না কৌবা চেক্লানা তরেৎ শুবা খোম্বাংনা কোকিলশিংগা তেমশীংনরি! বারুগহ শানৌত্থায়, কনাগী মপাম লমদমদা ইন্নুংশোরানা তৈবংদা কাক্কী লাম্বাওনা শীল্লকপা চয়োই তেত্থুনা খোংলৈকপা মত্তমদা উনা তিংখোগী মথক্তা সনগী ঈরা হৌবগে। কনাগী পোক্লকম লমদমদা হুম্নিংনা চীংয়া পকপদা, তম্মরা খোরি চেনবা, কাওরেন শঞ্জন মতমদা সক্রান্তি খোঙ্গেম্না

মাইগে ভন্না শিনবগে। মাগম্ভু, নপায় লমদম মুংশিবনা নপারি নখোয় মন্নাম্বু কাব্য, মুক্ত ভমনা খুজেং পাদোইনবিন্নি। নংবু পোকপা পলেমগী চেংলৌ শকফম উন্নগা কবিগী কোলোই নিংশিংজ্রা ? নংন্থু মিংস্না থম্বাল মানবা অমুদা তরংগী ঈন্না শিন্থদ্দুনা কবিগী কোলোই খোম্বাংও :—

"Manipuri stern and wild
Meet nurse for a poetic child."

কবি

ঐখোয়না ভেংবানবা অসিদা কনাবু কবিনি হায়না থংহুনা মহাকী খুন্নাদা কবিগী মতিক চাবা খুদোল নত্রগা লৈরাংগী খুজোক অমতংস্থু কত্নুনা পেন্নসিগে কনা লুবা পাওখুন্নি। মরমদি সংসার অসিদা মীওইবগী থম্মোয়গা লোয়নননা পোক্লকবা তাইবং মীনা তারু-উরুবদগী স্বর্গগী নিংখিজরবা অমরাবতীবু ওমজনবা ওইরবা কবিগী থম্মোয়গী অরংবা কাব্যকুঞ্জ নত্রগা কবিগী থম্মোয়গী লুরবা ইফুত্তগী চেম্বরকপা লাইরেপাক্তা চেল্লবা মন্দাকিনী গঙ্গাগী ঈশিংমুক লুরবা রাথনগী ঈচেন অম্ভু ফংনিংবা নত্রগা থক্লিংবা ওাক্তনি। মসি হায়রহুনস্থ মীওইববু লাল্লি হায়রুবদি য়াদে মরমদি অফববু পাম্বা অমস্থং মান্থ ফংনবা লাক্লবা হায়বা অসি মীওইবগী গুণ নত্তনা অয়ানবদি হায়রুবদি য়াদে। মরম অসিমক্তা ঐখোয়না কবিগী মশক থংবা ওমহুনা লমফাংলবা তাইবংপানব অসিদা লম্ম্ক্ররে। ওমলকপা নত্রগা নৈনরকপদগী কনাগুম্বনা য়ারেংগী লৈরাং পরেংদা মচন চান য়াইহেগী লৈরাং থেংতুনা মীগী পুক্লিং ওম্মাংনবা ওমই। হৈশিংলবা কনাগুম্বনস্থ কবি অমন শেমখিবা নাচোম য়েংলগা মাহুদলীস্থ হেন্না নিংথিনা লৈরাং লৈথেং হাপতুনা অতোপ্পা অমবু ওাওহনব ওমই। হৈনিংবা কনাগুম্বা অমনস্থ মহৌশাগী নিতিগী লীলা ফম্বাক্তা অনৌ অনৌবা পুক্লিং ওম্মংনব ওইনা শকফম উংলিবা অম্ভু য়েংহুনা খোংচিলহৌবত্তদস্থ মীওইবগী থাগংফম ওইহুনা মপুক্লিং পেন্ন ওমই। পুক্লমক অফবা ওাক্তনি। তৌইগুম্বস্থং থাঙ্গেশেংবা কবি হায়বা অম্ভু মাথোই অসিন্না ?

তৌইগুম্বস্থং ঐখোয়বা লাইম্রিক থন্না য়েংলগা কজ ফকবা য়াহ্নে থরুনা য়ারেংগী লৈরাং পা অনি মরিঙ্গং লেংহুনা তাইবং মীগী ওক্তা হুকপিন্নগা নত্রগা মহৌশাগী নিংথিজবগী ফোরে য়েংহুনা নিংখিন্নবা কোলোই মঙাতন্নাদং শকুনা মীগী পুক্লিং ওম্মংপা হেক ওমলগা য়াহাব কবিগী আসন থাহুনা ঈন্নাংপসি মহৌশানা পান্নদে। ম্মোয়া থাগী অ্হিংবা শংবোম্ববা অতিয়া ওাওাম্মবা লৈতিন মতেং অমতা য়োনা উখিন্নে; য়েংখি য়েংখিবদা মিথক্ক তান্না তান্না

ঙতুগী লুপা মহী চেল্লবা থাবনগী মেংলবা মঙায়া মাইকৈ তন্নামক কুপশ্লে। লুরবা থাবনগী মায়ানা ঙক্কংখিহনা অয়াম্বা হৈয়াং লৈরাং অপুম্বা মকা কম্না শাংকাইরে। মালংবনা লৈরাংগী কোয়োই টায়া মাইকৈ তন্নামক শীনবা থুনা লৈনম য়েন্নি। লৈরাং লৈনম কাংহনা তেংবানবগী জীব অপুম্বা পুক্লিং তুক্কুং হরাওনরে, অদুগা অমুক য়েংউ, কালেন থাগী হুমিদাংবাই হুমিংনা চীংয়া থাংবদা নাংচুপ থংবা অতিয়াদা মহী চেল্লবা স্নাগী মচুনা রাহেনা কোংদোকপা ঙমত্রবা পুক্লিং হুনবগী মশক ওইরবা মুর্ত্তি য়েক্নুনা কনাগী মগুণ কোংদোক্লিবা। তুরেনগী তোর্ব্বান্দনি, য়াঙংলবা তোরৈ থুদিংদা তুরেনগী লাইজ ঈশিংনা লৈনা জগোই শার-শারহনা মাবু শেম্বা মপুগী মগুণ শক্লিবা তোর্ব্বানগী নামিবা মলয়া হুংশিংনা তুরেনগী অইংবা লাইজ হুমহনা ওলাংবনা চাক্লবা জীবগী থম্মোয় ইংনবা লাক্লরি। লোইবী চীংথাংদা তাম্না কৌবী চেক্লানা পামেল উনাদা রাংনা তাম চাম হায়বা তামলবা থোক্লেলনা তেংবানবা মপুগী মগুণ শক্লি। অসিনচিংবা রাহৈ অসি শেম-গুত্রবসু মশানা নিংথিরবা রাহৈনি। অদুগা মাহু তাত্রিবা য়েংগন-থিগন্দবা কনাগুম্বসু অভ্যাসগী হাম্বৈনা ইরাই লাইনা মাসি ইবা ঙমগদবা ঙাক্তনি। মরমদি মশানা পামজহনা হুংশিরবা পুক্লিং থাগৎনবা ওইবা রাহৈ মঙা তরাদং ঙাংবসি নহাক্কী নতিক্লি ফজবা ফিদম থরা থংহনা হুংশিবা কালোই অনি মরিদং ইবসু নহাক্কী নতিকনি। তৌইগুম্বসুং কবিগী লাইমক্লা য়োবদা রারবা কাব্যগী পুক্লিং হুনবগী মশক ওইবা অমরাবতী অদুদা নহাক্লা ননিং তম্না চংনিংবা মতমদা চংবা হেক ঙমগদবা হায়বা অদুদি ঐখোয়না লায়না থাজবা ঙমদ্রে। মরমদি তম্বা, নৈনবা, উরু-তারুবদগী পোল্লকপা লৌশিংনা নংগী কবি ওইবগী থম্মোয় লৈকোন্দা লৈতেংলিবা রাথনগী লৈরাংবু ওলাংথাদা মতমচানা থকপা নোঙ্গুম্না মকাকম্না শাতোকহল্লি হায়বমখৈদি চুম্মি, তৌইগুম্বসুং কবি ওইবগী নংগী প্রতিভা —মহৌশাগী ওইবা লৌশিংগী পাজল অদুদি নংগী পুক্লিংগী মখা পোনবনি হায়না থাজরুবদি লাল্লি। চরিনা নপুক্লিংনা নংগী রাথনবু শীজম্নবদি ঙম্মি, নপুক্লিংনা নংগী পুকচেনবু কাওবা মখৈ লাংতক্লহনবা ঙমগনি, তৌইগুম্বসুং মহৌশা হায়বী লাইরেম্বীগী লাইশংগী নিংথিজরবা থোং অদুদি মাহাক্কী মচা ওইবা তাইবং মী পুম্নমক্কা চপ মান্ননা হাংদোকপিরম্মি হায়বদুদি ঐখোয়না হায়বা ঙমদ্রে।

অদুগা কনাগুম্বনা কয়িগুম্বা অমা মথরায় শোক্লা নংঙোন্দা হায়রবদি মাহাক্কী রাহৈ অদু নহাক্কী থম্মোয়দা পানবা ঙমত্রবসু মাহাক্কুম্বা মঙাতরাগী মথরায়দদি পানগনি হায়বা ঐখোয়না থাজে। মরমদি মীওইবগী চিনবান হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী অরা হুংঙাইবনচিংবা কোংদোক্লবগী অথোইবা থাম্বৈনি হায়বা অসি কনা চুমহনসু অর্থ লৈতবা রাহৈগী অর্থ অদু মীওইবগী থৌরবা রাথম্না লায়না ফাবা ঙমই। কবিগী পরিক্ষা তৌবসু অয়াম্বদি মাসিগা মান্নদরা? বসন্তগী অহিং মীচিক মীরাওথোল তাত্রবা মতমদা কোকিলশিংনা হৈনৌগী মপাল অপোম্বা থম্বোং থম্না উমদনা পঞ্চমস্বর ওইনা কুহুকুহু হায়দনা তেংবানবা মপুগী কোনোই শক্লি; কোকিলগী পঞ্চম স্বর তাদনা অয়াম্বা পামেল উগী মপৈম্না পুক্লিং তুক্কুং হয়াউনা তরংলাইজা খিহুরি হায়বসি পারু-তারুদনা ইবদি লায়না ঙম্মি।

তৌইগুবসু ঐখোয়না হৃজনিংবদি কোকিলগী মঙাত্তবা খোঙ্হোং অদু তাহনা কনাগী "পুক্লিংদা অমুগী থুংশিবা কাওহনা নাহাক্কা পান্নর্মলিবা 'পামেল পাখ্বীশিংগী মতৌগুম্না' মিৎলুদা প্রেমগী" বারা শিন্দবা ওবগে ? নরৈপাক্কী 'কনবা নরৈপাক্কী চাওখৎনবগী রাথল নোংমেউম্থনবা ওমত্রবা নহাক্লা নরৈপাক থুংশিহেন্নবা কনাগুম্বা কবিগী মরা তমহনা নংগী পোক্লকম লমলমবু' স্বর্গগী হেক্না লিংখিজে, লৈপাক অসিদা পোক্নুনা লৈপাক অসিদা শিজগে হায়রনচিংবা লৈশিলেখোলবা বাহে মঙা তরাদং ইম্নগী কন্না অতোপ্পগী মথরাই শোকহনবা ওমগনি। গুলাংখাদা কন্নানা রোইখোই চেন্নবা তুরেনগী তোবর্বান্দা কমহনা অঙাওবগুম্না মপুগী থুংশিরবা ঈপাক তন্না চেল্লিবা তুরেন্দা অমুক থৌজিনুবা ওবগে। কনানা মমাগী মশক উহনা শিরবা মমাগী খোমলাং অমুক অহন্দংদা নৌহোনা থজুনা চা পলেম হায়না হম্না কৌজবা ফংহনা পোকপগী মহে য়াম্বগে ? কাম্দে পুন্নমক ওইদবা ঙাক্তনি। চালেনগী অশাবা নিংথমগী অইংবা থাদোক্নুনা কন্নানা পৃথিবীগী থুংঙাইবা পুন্নমক থৌওইদবা ওবগে। অহগা নংনা মাহ কবিগুম্বদগীসু ওন্দ্রো ; তৌইগুম্বসুং নংগী বাহে অহনা কনাগী থম্মোয়দা থুংশিবগী ঈচেন্না থুম্বাৎহনবা ওমগদগে ; নংগী তৌশিন্নবা মিৎলুগী পী উহনা কনাগী মিন্না থম্বালদা তরংগী লাইজা শিন্দবগে। পুন্নমক অরেম্বনি, কবিগী তাংলবা থুভম অসিদি নংগী পুক্লিংগী মথা পোনবা নত্তে ; ঐখোয়না মথক্তা হায়রে, নথবায় শোক্না হায়বা বাহৈতনা মীগী মথরায় শোকহনবা ওম্মি। অওইবমক অরাবা থুংঙাইবা থুংশিবনচিংবগী লোন অসি নংগী বাখনগী মতুংইন্না তোঙানবা শককম ওই। নংগী বাখম্না য়োমলবা বাহে অহ তারবতদা তাইবং মীওইবনা নংগী নবা অদ্ তাদ্না পেন্নবা ওম্মি। মরম অসিনা হৌজিক্তি ঐখোয়না কবিগী থুভম ফংবা অসি ঐগী অপাম্বগী মথা পোনবরা পোন্দবরা হায়বা অদ্ খংবা ওমলে।

অময়োম্দা কবি হারবদি ধ্যান তৌরিবা মুনি নত্রগা লাই তোংলবা মাইবীগুম্বনি। কবিনা বাখনগী ঈপাক্তা হেক তাউবা মতমদা মাহাক্কী থমোয়দা বাখনগী ঈচেম চামনা ঈচেম চাম চাম ফাংনা চেন্নরকই। মতম অহদা বাখনগী ঈপোমনা পুক্লিং থম্মোয়নচিংবা থুম্বাৎথিহনা মহাক্কী বা ঙাংথোক্লবগী পাঙল মাংখি, নত্রগা লাইতোংবা মাইবীগুম্না মরী লৈতবা বাহে মঙা তরাদং ঙাংবা নত্তনা মাহাক্কী অতোপ্পা পাম্বৈ লৈত্তে। মতম অসিদা কবিগী অবস্থা অহ য়েংবদি অরাবগী মশক্লি। বাখনগী ঈপাক অহদা অনৌ অনৌবা ঈথক্লা চাংজৌ তোর্বান থংদনা হৌরকই, থুক্তা প্লায়বা খোরজৈ তাথিবা থংহৌদে ; হৌরকইবা বাখনগী ঈথক অহগী মতিক চানা কোংদোকপা য়াবা বাহে লান্বা ফংদে। সংসারগী অরা থুংঙাইবগী মশক অসি মঙোন্দা অরাম্নদা থোকপা অহিংগী তন্দনগী হেন্না ঙান্না উদে। অহগা মাহাক্লা মপানগী লৌশিং হেক ফংহনা খোরজৈ থুক্তা হেক পাইখৎপদা মমাংদা রৈখাইবগী পন চামনা হেক পাম্বিংলে। মমাংগী হায়নিংবা পুন্নমক অহ মতম অহলদি পুক্লিংদা নুংদা থুজিন্না খোংপগী মখিলগী হেন্না তাহৌদে। অহলা অমুক্তা কাব্যগী বারক কিরণগী কন্নাগুম্বা কবিনা হায়নিংবা চানসু থাদোক্নুনা তোকই। ওহোকপদি। কবিগী

রাখনগী মতিকচাবা লোনবু কংলমলবনি কাম্বরগী নুংশিখা কোলোই তাবমক্তদা কল্লবা চুংনু মহী চেলগদবনি। নত্রগা তাইবংপানবদা ঐথোয় মীওইবগী লোন অসি মপুং ফারে হায়দুনা জগোই শাবা ঙমজরমগদবনি। তৌইঙ্ঙবনুং অাঁনি হায় হায়দুনহে মাহাত্তিন—কবি অহুদি— মতম অহু কাওবা তেংবানবগী কলক য়েন্নবা, খিংতংপাইগী পিরিয়েমচিংবগী নাম্না লৈ। শাস্ত্রদা যোগারূঢ় হায়দুনা। ইকাই খুম্নরিবশিং অহুগী মরক্তা কবিশু শীংথানরকবদা থোইনা অন্নানবা থোকনি হায়বা নিংদে।

জিতাত্মনঃ প্রশান্তস্য পরমাত্মা সমাহিত:
শীতোষ্ণ সুখ দু:খেষু তথা মানাপমানয়ো:।

হায়বনচিংবা বাহৈ অসি তাইবংপানবগী মপু ওইবা ঈশ্বর নিংথিজবগী অমৃত ঈপাক্তা লুপপ্পবা কবিশিংদা অথোই অহেন নাইনা ফাওবা ঙাক্কনি। অসুম্না ঈশ্বরগী প্রেমগী মুংঙাইরবা ঈপাক্তা লুপপ্পবা মীগী মশক ওইরবা লাই অহুগী মফমদা অইং অশাবা অবা মুংঙাইবনচিংবা পুম্নমক অসি করি থংফম লৈবগে!

কবিগী মথল য়াম্মনু, থংদে, কবিগী তোংঙানবা পুকচেম লৈরমনু থংদে; থংঙবনু থংত্রবনু ঃথোয়ন' তাইবংপানবা মপুগী থোজাম্না অসিগুম্বা থম্মোয় অসি ফংলবা মী অহুত্তবু মহোশাগী ওইবা কবিনি হায়দুনা ভক্তিগী আসন থাদুনা ইরাংনিংঙি। মাথোয়গী মফমদদি ধর্ম হায়বসি অবাবা লাইনিং মন্ত্রে মাথোয়গী পুকচেল অমা ওলাংথাগী লৈরাংগুম থোংলি, শোয়ারেনগী বক্সলী হেন্না কল্লি। মাথোয়গী আশানা বসন্তগী ঋতুগা মশক ওইবা কোকিলশিংগী মতোঙগুম্না তাইবংমাগী থম্মোয় থংনবগী মশক্লি। ভক্তিনা অসিগুম্বা কবিগী থম্মোয়গী লৈকোম্বা কুম্বী কাজেন থাজনা শাংলবা লৈরাংনি, মাথোইগী খুয়াগী উফুল মরিক তাবতনা পৃথিবী অসি মীওইবনা লৈবা য়াম্লিবনি, নত্রবদি মশা ওইজবতা থিবগী মৈরি মরক অসিদা কনানা হিংদনা পানবা ঙমগবা, মাথোয়না গীজিন্নখিবা মরম্না মীওইবগী লোম্না অবা মুংঙাইবা মতম পুম্নমক্তা মীওইবগী থম্মোয়বু পুকমেন পাওমেম্নবা ঙম্মিবনি; মুমিং থানা তাবিনবা ওইরবা মাথোয়গী কোলোই মপাও অতেনা আশাবু তাইবংপানবা মপুগী মাইকৈদা ঈনশিনবিরবনি। মাসিগা পান্দমনিঙাই তাইবংপানবদা অতৈ করি লৈবগে।

The Nightingale I have sung many songs
But never a one so gay.

Tennyson

শিবা কিবা

জাতস্য হি ধ্রুবো মৃত্যুর্ধ্রুবং জন্ম মৃতস্য চ।
তস্মাদ পরিহার্য্যেহর্থে নত্বং শোচিতুমর্হসি।

মসি ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা তাকপিখিবা ৱাহৈনি। অহুগা ঐখোয়মহ্ নীতিগী ভবা ফংগ পোকপু পোক্লবদি শিবা লমন্ তোক্লে। নমাগী খোমলাং অমৃত থক্লিবা অঙাংনবা অসি, তেংবানবগী অবা মুংঙাইবগী ৱাখল পুন্নমক মাহাক্কী পুক্লিংদা চংবা লৈত্রবা মখোক মকায়কইবা পাথং অসি পুন্নমক নোংমা শোয়দনা শিরগদবনি। হে ইনাকখুনবা! অহিং মুংখিল অইং অশা অৱা অনা খন্দনা নীতিগী লনলৈমগী সেবা তৌরিবা নহাকসু নংগী মুংশিরবা নরন অহু থাদোক্নুনা নোংমা শিরগদবনি। নংগা নক্লবা মী খোৱক্লবা তাইবংপানগা নোংমা শোইদনা মৈতাম্না ৱাখৈরগদবনি। হে লাইরবা! নংসু নংগী অৱাবা থন্দুনা খোইনা তেংথারগনু; নহাকসু নোংমা মোংফগী শয্যাদা হিপতুনা নংগী অৱাবগী শিনথাদগী শোয়দনা পোখানরগদবনি। য়োইবু য়োইহেনবা তাল্লিবা শানৌ নহাশা! নখোয়সু চৎনিং চৎনিংদনা নোংমা নংগী মুংশিরবা তাইবং মালং অসি থাদোক্লমহুনা লাপথবা বৈতরণী লান্দুনা থমমুং মরমদম নত্রগা লাইরৈপাক য়োরগদবনি। নং, ঐ নত্রগা হোংবা অহু চাওবা অহুগী বাদি লাপনবু থমখো সনা ফম্বাল থক্তা ফমহুনা লৈপাক ৱায়েল্লিবা নিংথৌরেন অসি য়োনা মুংঙাইবা রাজ্যভোগ নত্রগা নিংখিজরবা সনা সঙ্গাই অসি হুক্লেক্লমদনা নোংমা শোয়দনা অমংগী য়াইথোং কুম্মগদবনি। অসুম্না পোকপু পোক্লবদি শিবগী লমন্ তোলক্লে হায়বা অসি ঐখোয় পুন্নমক খংদবা অমতা য়াওদে। তৌইগুমসুং শোয়দনা খোকলগদবা মরৈরে হায়বা খল্লা খংনা ঐখোয়না শিববু কিদবা ওমদে।

খমসুং লাকপা যমনিংথৌবু ঐখোয় মী ওইবনা কিবা অসি পান্দমনিংঙাই লৈতে। ফত্তবা অমতং পান্দম্নরকপদা ঐখোয়না হায়—নহাক অসিদি যমকালদ, মঙাইরে। যমনা মমাগী মতম্বাক্তগী খোমলাং থকলিবা অঙাংদ, মুন্দুনা পুই; সতী ওইবা মুপীদগী মপুরোইবা মুন্দুনা পুবা ওম্মি। অসুম্না থাজনদনা শাস্ত্রদা মহাকপু ধর্ম্মরাজনি হায়দনা ফনা থাগৎতুনসু ঐখোয়না যমনিংথৌবু কিদবদি ওমদরে। শমনা হায়রবদা মীওইবনা শিবদগী হেন্না কিবা অমা লৈতরে ঐখোয়না শা কৈবু কি, মরমদি মখোয়না ঐখোয়বু হাৎপা ওম্মি। অৱা অনা অইং অশাবু ঐখোয়না ফিরিবা অসিগী মরমবু শিবা কিবা নত্তনা অতৈ করি ওইকম খোকপগে? থাজৈশেংবমক কিবা হায়বা পুকচেল অসি শিনিংদবদগী পোকপনি। শিববু কিত্রবদি ঐসু অভিমন্যুগুম্না ইতোমদনা য়েক্লবা মাইয়োক্লদনা ঐগী জাংকী অমসুং লৈপাক্কী ফননবা হোৎনবদা তুংওইনরম্মোইদবনি। শিবব কিত্রবদি ঐসু ইপুরোইবগী চাক্লবা শ্মশান্দা চোংশিন্নমগদবনি। শিববু কিত্রবদি মীনা ওমদবা থবক করা তৌত্নুনা ঐকুসু মীনা থাগৎনরমগদবনি তৌইগুমসুং শিবা কিবদগী ঐখোয়না থবক

পুন্নমক্তা তুংহন্নরিবনি। অকিবগী মথক্তা অমুক কিনবা ঐখোয়না ঐখোয়গী শিবগী মতম অসি খংনবগী পাগৈ থিবা খংগে। মীওইবগী লৌশিং, মীওইবগী বাখল হায়বা অসি খোৎনবা কবাক থাংগুদবনি হায়বা অসি অমত্তোমদদি কনা চূম্নি, তৌইগুদমকুং অমত্তোমদদি থোৎনবা লোইজ্রি মপুং কাজ্রি। পাজিনা আয়ুদায়গী লাইরিক ফাক্লুনা কয়া হোৎলি— শনিনা যুম নিপান্দা লৈরে, নোংমাইজিংদা লোকপনি চহি ৮০ খোইরেম্মি অসুম্না কনা তাক্রক্লুনসু ঐখোয়না মাহুবু থাঙ্গৎলেংনা থাজবদি ওমত্রি— মাদ্‌মক্তনা শিগদবা কুইত্রবা, যমগী চুতনা লুখুমদা কমদ্‌না ঙাইরবমক্তদসু ঐখোয়না কগনি হায়বা মাইববু হুংশিরি হিদাক লাংথক থিরি খোৎদৌ—লাংজৌ হোৎনরি। নশানা খোইদৌবা শানরি। পাজিগী বাবু শোইদবনি হায়দ্‌না থাজবা অসিবু কদাই ফাওবনো ঐখোয়না শোইদ্রে হায়বা খংবদি নাম শোন্দুনা গঙ্গাপ্রাপ্তি হেক লাওরবতদনি। শিগনি হায়বগী অওইবা তারিখ, পুং খংলবদি যম নিংথৌগী সোমোন পাও হেক কংবমক্তদা অবাবা কোঙ্গাই অমা লাম্বোক্লুনা হুংঙাইথোকফম অমসু লৈরমগদবনি। তৌইগুদমকুং মাহুদি খোক্তে, হুমিংকীসু তানবা মতমদি লৈ, বসন্ত লাক্লগা হৈরাং লৈরাংসু অনৌবা য়েনিং ছল্লি, শিবগী মতমদদি মথংত্রে মমানা খোমলাং পিথক্লিঙৈদসু যমগী চুতনা মচাবু মুন্দুনা পুখিবদা কনানা করি হায়রুগনি অমোনবা লৈগী শয্যাদা হিপ্লিঙৈদা ঙকশমদা বায়েনগী খোরীনা থুদুনা যমগী চুতনা বৈতরনী রাংমা লান্না চিংঙবদা কনানা কদাইদা বাকৎলুফম আপীল তৌফম লৈবগে। ঙসি শিনি হায়বা কনানা পাওচেনবগে হয়েং শিনি হায়বা কনানা পাওতাকপগে। মরম অসিমক্তা শিবদা কিবা অসি অমুক নৌহৌনা হাপকংলে। শিনি হায়বগী তাংদাংবা খংজদুনা পুক্নিংদা অবাবা নাম্বোক-চনবগী পাম্বৈসু উত্রে।

শিনি হায়দুনা কিবা অসিগী মরম অচৌবা অমসু লৈরি, শিরে হায়রগা ঐখোয় মীওইবা অসি করম তৌগ্রবগে হায়বা অসিমসু ঐখোয়না খংহিকত্রে। শিরবদি অদুগুম্বা হুংঙাইবা ফংগনি অদুগুম্বা অহাওবা চাগনি, অদুগুম্বা নিংথিবা শেৎকনি হায়বা অওইবা অমতং তশেং তশেং খংলমলবদি শিনিংঙ্‌বসু খংদে। করিনা শিরগা হুংঙাইরগদবা অদ্‌ মিহৌরুদ্‌না হুংশিবা পুন্নমক থাইনগদবগী মৈচাক অদ্‌ থরদং নেম্মোই হায়বসু কনানা খংবা তৌইগুদমকুং মাদ্‌সু মমলে। ঐখোয়না যমগী লৈপাক হায়বা অদ্‌দি হুমিং থা খোক্তে, পুন্নম মশি হায়না তাবা অদ্‌ কনা চুমলে। শিবগী মতুং অসিদি ঐখোয়দা পুন্নম মমত্রে অত্তদা ঐখোয়না অমুক্তা তাহিকলে — শিরগা ঐখোয়না পাপকী থবক তৌরুবা পুন্নমক অদুগী মতিক খোকপা চৈরাক ফংঙ্‌ই— মৈ লিকপা মীনা মকোক্তা মৈ কথী খোজংলে—নিংথম্না থক থক লিক্রে তৌইগুদমকুং তিকহত্রি যমগী চুতনা চৈ পায়রুদ্‌না কুপ্নি অমসুং তত্তনা লাওরি। নিংথম্‌ মহান নংনা হিংলিঙৈদা মৈ লিক্লকপা অদ্‌গী মতিক ওক্লপা নহৈলি। অসুম্না কমান্দ মবুক্তা অনাবা য়োৎশিংয়োৎনা লেংলি, কনানা মঙক্তা থৌরি থুদ্‌না অমাংবা মক্তবগী কোমদা চুনথরি। অসিনচিংবা তাইবংপানবদা তাইবংমী ওইনা

পোক্লবদা পুণ্যগী থবক্তা তৌহনা পুন্সি লোমখিবা মীদি হুয়া হয়া থারবদা কয়া ওগনি। অহুদা অসি পুন্নমক অসিগা তাশিন্নবা, শিবনু কনানা, কিরোইদগে, সংসারগী বিষয়া থাদোকপা ঈশ্বরগী নাম শোনবা, পুণ্যগী থবক তৌবনা মথৌ ওইরবশিংনা শিকা কিদে হায়নরিরা অদ, কন্নিনো। ঐখোয় হিন্দুনা পরলোক, লাইরেম্পাকী মরমদা থাজবা অসি ধর্ম্মগী মরীদা থরদা নত্তনা য়ান্না কান্নবনি হায়বা অসি থাজেলংবনি। ঐখোয়গী লাইমিংবশিংনদি শিবনু কন্নি কিকম থোকপগে ঈশ্বরগী খুন্নাবু ভানবনা মাখোয়গী মথৌ ওইরিবশিংনা ঈশ্বরগী খুয়া ফংবদি শিবননা খোংনি হায়না থাজরবদা শিবনু অমুক নৌনা কিরকম লৈরগে, অহুগা কনা অমনা শিবা বিদবগে — ঐখোয় হিন্দুগী ধর্ম্মগী লাইরিক্তা মপুং ফারবা লৌশিং পোক্লবা পণ্ডিতশিং অহুনা শিবগী কিবা অসি থরমথৈ নাম্বোকপা ওন্মি। কন্নিনা মাখোয়না থাজ্জে—শিবা হায়বা অসিদি ঐখোয়গী পরস্থানা পঞ্চভূতনা শাবা হকচাং অসি থাদোক্লমহুনা অনৌবা হকচাং অমদা চংথিবতনি।

বাসং সিজীর্ণানি যথা বিহায়
নবানি গৃহ্ণাতি নরোহপরানি।
তথা শরীরাণি বিহায় জীর্ণা—
ন্যন্যানি সংযাতি নবানি দেহী।

হেক শিবদা ঐখোয়গী পঞ্চভূতনা শাবা দেহ হায়বদি হকচাং অসি তাইবংপানবা অসিগা মৈতান্না অরোইবা য়াখৈনবা তারবসু ঐখোয় হিন্দুগী বেদান্তনচিংবা মপুং ফারবা লৌশিং পোক্লবা পণ্ডিতশিং অহুনা শিরবসু ঐখোয়গী আত্মা অসিদি অমাংবা লৈতে হায়না থাজহুনা শিবগী কিবদগী থরমথৈ নাম্বোবপা ওন্মি।

নৈনং ছিন্দন্তি শাস্ত্রানি নৈনংদহতিপাবক:।
নচৈনং ক্লেদয়ন্ত্যাপোম শোষয়তি মারুত:।

....

নিত্য: সর্ব্বগত: স্থানুরলোহয়ং সনাতান:।

শিবনু কিবগী অথোইবা মরম অমদি— তাইবংপানগী লুংঙাইবা। তেংবানবা অশিবু অরাবগী কুণ্ডনি হায়বা অসি কনানা হায়রিবনো তাইবংপানদা পোক্লিবা অসিগী মরম খংত্রবা, তেংপানবদা তেংবানবা মপুগী মপুক্লিং খংত্রবা নত্রগা পেনকম লৈরিবা পৃথিবীদা পোকুনসু অপেনবগী অমৃত মরীক অমত্তা থকপা ফংত্রবা, নহাক ঐহাকুসু থরনা তেংবানবা অসিদি অরাবগী মশকনি হায়রগা ঐখোয়না ঐখোয়গী যাথল শীজিনবা তৌদনা হেক থাজবা ওমপত্রা। ঐখোয়না মরম অইত্তবু খংদে, খংনবা হোৎনরুবসু কায়দে— ঐখোয়না হংনিংই। তাইবংপানবদা পোক্রবা জীবনা অহুল শিনিংত্রবা অশিগী মরম কন্নিনো— অমবগী মশক্তি হাতক্লিবা তেংবানবা অসি থাদোকুপা চংনিংবা কনা য়াওবগে? অওইবমক তেংবানবা অশিনা লুংঙাইতবা মকম-ওইরবদি লৌশিংগী [illegible]

ঙান হেক ফংবমক্তদা তাইবংপানবা অসি থাদোক্লবা হৌ হৌ চোৎলরনগ্রদবনি। তৌইগুম্বন্থং াসি হায় হায়তনস্থ 'তাইবংপানবদা' অৱাবা 'লৈতে হায়ক্লবস্থ ৱাহৈগী" অকায়বা 'থোক্লদবা লৈ। রমদি অৱাবগা মুংঙাইবগা হায়বা অসি মঙ্গিন মনাওনি, হায়বা অসি ঐথোয় মৈতৈগী ৱাহৈনি। তাইগুম্বন্থং অৱাবগা মুংঙাইবগাদি মচিন মনাওগী হেন্না নক্লবনি। মশা অমতনি—খুবাক নমগুম্বনি, অৱাবা লৈবদগী মুংঙাইবা ৱাহৈ অসিগী ফমকম লৈরিবনি। মুংঙাইবা লৈবদগী অৱাবা াহৈ অসিগী মিংফম তোপ্প্রিবনি॥ প্রমান/অমবা— অঙাংজিনবা লৈতানগী পুথমশাবদা অমরোমদা ংশিলহল্লগা অমরোমদা পোংথোকই। ফুংশিনবা পোংথোকপা—অহু 'নাইগ্রবদি অঙাংদস্থ নঙ্গে থোরস্থ পুথমনি হায়নিংঙাই, মাহু নাইদনা চপ মান্নরবদি মাহু লৈতোনগী লৈতান অহু মঙাই। বা–মুংঙাইবস্থ অহু মঙাই। অৱাবা লৈবদগী তাইবংপানবদা ঐথোয়না মুংঙাইবগী মহাও থংদনা ানবা ঙম্মিবনি। মরম অদুনা তাইবংপানবা অসি অৱাবগী মশক্কি, মাসিদা মুংঙাইবা থোইদিং রিক অমতা লৈতে হান্নবা অদুগু ৱাহৈগী অরানবা লৈ। ঐথোয়না ইচা-ইগু, মুংশিন্নি, মরমদি শিবদস্থ মুংঙাইবগী ঈচেন চেন্নি, ঐথোয়না তাইবং চিঞ্জাক অসিগী মহাও হন্না হন্না তংদনস্থ ামজ্রি, মরমদি চিঞ্জাক খুদিংগী মহাও অদুদস্থ মুংঙাইবগী ঈফুৎ ফাওরি। অমুন্না পেৎপা চাবদস্থ হনা তাইবংপানবগী হিরম পুন্নমকস্থ মুংঙাইবগা য়েৎনহনা লৈরি। মরম অদুনা পুন্নমক থাদ্রোক্লদবা সিদা ঐথোয়না মঙ্গৌশানা ৱাদবা ঙমদে। হায়বদি শিবস্থ কিদবা ঙমদ্রে। অকে অনৌবা াম্বিবা শাবি শানৌশা মাংদা পাক্লবা শকয়েং মিংশেন থাহনা নশাগী, নিংথিক্লবা হন্না হন্না ংজহৌ মাংগী য়েং তুংগী থাজদে, তুংগী য়েং মাংগী কাউথি মিৎস্না থম্বাদা অহু পেন্নবা য়েংহনা ঙাইজৌ মরমদি নংগী অস্থপ নিংথিরবা নশা অসি নোংমা মৈদা কৎথোক্লগদবনি। শিনিংবা না য়াওবগে? লাইরিক হৈবনা মায়ানি হায়হনা নোক্লসনু মায়া অহু লৈরবদি মপুখা খুদ্রেম য়গনি। অমুন্না সংসারগী মায়াগী লাং অসিদা হেক থুরদগী শিবগী কিবা অসি অমুক হেনগৎলি।

অসিনচিংবা মরম অসিনা ঐথোয়না শিববু কিদবদি ঙমদ্রে তৌইগুম্বন্থং ঐথোয়গী ৱাহৈ অমস্থ মুক লৈরি—মাসিদি শিবা কিথিদ্রে, থৌনা ফথরে—শিবা কিদববু ঐথোয়না থৌনা ফবনি হায়না গৎনরি থাজৈশেংবদি মাসি থবক্কী অফ ফত্তগী মিংফম মতুং ইল্লি। অফবা থবক্তা শিবা কিদ্রগা না ফবনি হায়না থাগৎনৈ, ফত্তবা থবক্তা শিনিংলবদি তৌবা ঙম্বনি হায়হনা তাথিনৈ। শিববু দবা, অফবা থবক পুন্নমক্তা থৌনা ফবনা কান্নবগুম্না ফত্তবা থবক তৌবদা শিবা কিবস্থ কান্নদবা ত্তে। ঐথোয়গী নীতি শাস্ত্রদা কন্নি হায়রি।

অজরামরবৎ প্রাজ্ঞো বিদ্যামর্থং চ চিন্তয়েৎ।
গৃহীত ইব কেশেষু মৃত্যুনা ধর্মমাচরেৎ॥

মীওইবগী থবক অমসুং অতনবনা ৱাকাইবা

নহি কশ্চিৎ ক্ষণমপি জাতু তিষ্ঠত্যকর্ম্মকৃৎ।
কার্য্যতে হ্যবশঃ কর্ম্ম সর্ব্ব প্রকৃতি-জৈর্গুণৈ।

I slept and dreamt that life was beauty,
I woke and found that life was duty.

তাইবংপানবা অসি থাজৈশেংবমক মাহাকপু শেম্বা মপুগী মহৌশাগী ওইবা শিনসংনি। অহিংদা, মুংখিন্দা নত্রগা পুজিগী মিকুপ খুদিংমক্তা ঐখোয়না উবা ফংঙি— তেংবানবদা লৈরিবা পোৎ পুম্নমক অসি থবক অমা নত্রবসু থবক অমা তৌহুনা লৈবা ঙাক্তনি। য়েংউ, ইসুং শোয়া হেক ঙানবমক্তদা অয়ুক্কী মেংলবা কোয়ৌহনবগী ঙাংঙ্রাবা তাইবং মালংপান অসিদা সনাগী মহী চেল্লি মাহাকা লোয়নলোয়ননা কাকী লাম্বাউ শীল্লি, চরোই তেতুনা খোংলকই অয়াম্বা হৈয়াং লৈরাংগী মপৈনা কোয়ৌহনবগী পুক্নিং হুনবগী মশক ওইরবা শকফম উহুনা পুক্নিং তুজুং হরাউনা লৈরাং লৈকাকম্না শাতোকলি। অয়ুক্কী মামিবা মালংবনা লৈরাংগী ফোরোই য়েংহুনা অরাপ্পদা লৈপ্রবা খোঁগংলবা খোইমুনা লৈরাংগী মপাও তম্মৎখ্রি। খোইমু লাবা খুাংজেংবা লৈরাংগী কোলোই মপাও ভাহুনা লৈরাং লৈশীংয়ৈনা পুকমেন পাওমেম্নরি। পামেল উপালশিংনা মপুগী শিনসংদা মহৌশাগী অচেৎপা শিম্বা অসি উহুনা তরং লাইজ শিম্বরি। অসিদসু নত্তে অমুক কোয়ৌহনবা অহুনা নোংচুপ চীংয়া থাংখিবদা অহিংগী শংবানবা নোংমদোন থক্তা তাংথক নাইত্রবা থাবুমনা খোয়কলি। লোয়নলোয়ননা থৱাম্মিচাক লিশিং লিশিংনা অহিংগী মালংদা লৈতেংলি। অসুম্না তাইবংপানবা অপুম্বনা মপুগী অহিংগী শিম্বা পাংনবা লাকনরি অসুম্না অমম্বা লোক্তা কুমথৌ অৱাংবা লোইবী চীংথাংক্ষংনা কাথৎলু উবা ফংগনি— থবক্কী ঈচেন অসি তাইবংপানবগী মকম পুম্নমক্তা চপ মাম্নমা চেল্লি। পুম্নমক অসি য়েংউ তাক্করগা ঐখোয়না হম্না হম্না হায়নিংঙি তাইবঙপানবা অসি থাজৈশেংবমক মাহাকপু শেম্বা মপুগী মহৌশাগী ওইবা শিনসংনি। মনা কেল্লে য়েনিংহল্লে, মপান শাংলে, মহৈ য়াল্লে, থবক্কী মতুংদা থবক মাসি অমুক পোৎথাবা লৈতে।

তৌইগুম্বসুং মাসিগী অর্থ লৌবা হৈতবা কনাগুম্বনা ৱাহৈ পুম্নমক অসি অয়েম্বনি হায়হুনা খোঁশাদবসু য়াই। মরমদি, তাইবংপানবগী থবক্কী ঈচেন্দা খোং-খুৎ অপুম্বা চপ তিংখোক্তুনা তাওথবা ওম্মিবা মীওইবা ঐখোয়দা থবক্কী ৱাহৈ অসি অচুম্বনি হায়না খল্লবা য়াক্রবদি অতনবা হায়বা ৱাহৈগী অর্থ লৈতবা থোকই। অহুনদি তেংবানবগী অমংচংবা অপুম্বনা তৌরিবা পুম্নমক অসি থবক ঙাক্তনি। অতনবা ঐসু তেংবানবদা পোকলবা জীব অমনি মরম অহুনা হৌজিক্তা হায়বগুম্না ঐনা তৌজরিবা অসিসু থবক্কী শিংদা থাবিত্রবদি ৱাখল অয়ানবা থোকনি। কনা চুম্বা

ৱাহৈনি ঐখোয়না অমরোম্মদা ৱাহৈ অসি তাহুনা ফনা নোক্লিংবা লৈহুনস্থ মাসিবু লাল্লি হায়রকবস্থ ঙমদে। অহু ওইরবদি অতনবা অসি করিনো মথকী ৱাহৈ অসিগী ঐখোয়না খন্দবা য়াম্বা খোক্রে। তাইবংপানবা অসিদা ঐখোয় মীওইবগী তোঙানবা তৌগদবা থবক থস্না লৈ। মাহু তৌরগা মী অহুবু ঐখোয়না ময়ম ওকপনি হায়না থাগৎলৈ, মাহু তৌত্রগা মী অহুবু অতনবনি হায়ছুনা তুকচলৈ। অহুওইরবদি তেংবানবদা ঐখোয়গী তৌগদবা থবক্তি করিনো মাসিগী পাউথুম ওইনা ঐখোয়না অমুকস্থ হম্না হায়নিংঙি তাইবংপানবা অসি থাঙৈলেংবমক মাবু লেম্বা মপুগী মহৌশাগী ওইবা শিনসংনি। মাসিদা মীওইবগী থবক্তা লোম্বা নাইদে। কালেনগী ওলাংস্না লোইরক্রে নিংথম চংলক্রে, নিংথম হৌরক্রে বসন্ত লাক্রে অস্থম্না ঋতু তরককমক মথং মথং হৌরক্লে, মথং মথং লাকলে ; তৌইগুম্বস্থং তাইবংমীগী লোম্বা নাইদে অঙাং ওইরস্মি, পাথং কারে, পাথং ওইরস্মি, অহনগী শীংদা চল্লক্রে তৌইগুম্বস্থং থবকী ঈচেন্দি অমুক থকপা নাইদে।

অহুগা মীওইবগী ৱাহৈদা নত্রগা লাইরিক-লাইগুদা তাইবংমীগী পুন্সি অসি লানফমগা পান্দমলৈ। অকনবা লানফমনি। ঐখোয় মীওইববুদা হায়বা নত্তে, জীব অপুম্বগী পুন্সি অসি লানগা চপ মান্নৈ। অকনবা লাঙ্গাওনি। তাইবংপানবা অসিমক থাঙৈশেংবা মপুগী পাক্লবা লানফমগী মশক্তি। খুজিনগা-খুজিনগা, য়াগা-য়াগা, শমগা-শমগা, অকনবনা মায় পাকই, অশোনবনা মায়থী। মরমদি জীব ওইবগী হৌনবা মশাগী কান্নবা তানবা অইং-অশা, অরাম খোৱাংবনা মহৌশাগী য়েক্লবা ওইরিবা জীবশিংনা মশাগী ওইজবা থিত্রবস্থ জীব ওইবগী হৌনবী কায়। অহুগা মীওইবনা জীব অতৈদগী হেন্দোক্পা অমস্থ লৈরি। মীওইবা হায়বা খুবম অসি ফংননবগীদমক্তা মশাগী কান্নবস্থ অমুক থাদোক্তবা য়াদে, নত্রবদি মীওইবস্থ মথোং অনি পানবা জীব অমা নত্তনা করি ওইকম থোকপগে? ওথোকপনি! বিধিত্রহ্মামকনা ফংবা ঙমত্রে হায়রিবা মীওইবগী মপোক অসি অমরোমদা ওথোকনা ৱানা লৈরক্রে। অনিদা ঙাইজরবা মীওইবগী মথোং অসি হি অনিদা থাহুনা লৈরে। মশাগী ওইজবস্থ থিদবা য়াদে। কৈগুমনা লামলক্লবদা শজিগী মথক্তা চোংশিন্দবা য়াদে হৌদোংগুম্না কোয়না কোয়না চত্তনা নশাগী ওইজবা থিদবা য়াদে। অহুগা অমুক শিবি নিংথৌগুম্না চংজরক্লবা লমথুম্ববু কন্নবগীদমক্তা খুন্থ থরং অহুদা মশাগী শহুম শেংতুনা পীজদবা য়াদে। হস্তিনাগী পীনহৈরবা ত্রাহ্মান অহুগুম্না মমাংদা খিঙ্গরিবা অহুদা ঙাইরবা চাকলুক অহু অতিথিদা পীজহুনা মশানা অরাম খোৱাংবগী মৈচাক পুম্নমকস্থ থাংদবা য়াদে। অস্থম্না জীব অতৈগী অমত্তা ঙাইরবা লন্দী অসি মীওইবগী খুবম হেক য়োবদা অনি থোক্তুনা লমকাং লিশিং লিশিং কাইরক্রে। কবিনা করি হায়— মীওইবগী পুন্সি হায়বা অসি তৌগদবা থবক্লা শাগৎথিবনি— য়াম্না চুম্বা ৱানি। থবক্লা হেক লেপ্পা হুমিত্তা মীওইবনা মাখোয়গী মীওইবা হায়বা অহু তোক্তুনা শিবা হায়বা অহু ওই।

অহুগা অমুক মীওইবা হায়বা অসিদি শোনবা জীবনি— লোংদবা বিধিনা মীওইবদা অথোবা খুজিন, অথোবা মরা, অহুবা ৱাত্তি নত্রগা জীব অতৈগী মথক্তা খুহেম চনবা য়ানবা মতিক ওকপা

শাজলগী পীবিরমম্রে৹ মাহাক্কী তৌশিংদনা মাহাক্কী হিংহুনা পাম্নবগী অথোইবা খুৎলাইনি। নোংদমখীবা যিধাতানা তাইবংমীদা মাহাক্কী লৌশিং অমসুং রাখন্দা পীবিরগা নখোয়না জীব অতৈগী মথক্তা খুদুম চন্নু হায়না য়াথং অসিমখৈদা পীবিহুনা লমকাংলবা তাইবং মালং অসিদা থাদোকপিরক্লে। তৌইশুবসুং অসি হায় হায়হুনসু মোদম্বা মপুবু তাথীরুগসু। ঐখোয় মীওইবগী লৌশিং অমসুং রাখল হায়বা অসিদি অসুপকী মতিক থৌই; শম কাওবা মশুং লিশিং থোকনা থায়বা য়াই। মরম অসিমকন্না মীওইবমা জীব অপুম্বগী মরক্তা অমতা ওইবা যন্ত্রাল তোংহুনা মাখোয়গী মবোক থোংবা ওম্বিবনি। লৌশিং অমসুং মাখোয়গী লুরবা রাখলগী পাম্বৈনা মাখোয়না হিংহুন৷ পাম্নবগী মরমদা অচৌক অচৌকপা উপায় কন্না শেম্নি। অমতনা ওমদবা অদ্ম ময়াম তিম্নরগা ওমই হায়বা থংহুনা মাখোয়না মাখোয়গী জাংমখৈ তিম্নরগা তাবা হৌই। মাসিদগীদা মাখোয়গী মথক্তা হায়রিবা তৌগদবা মথল অনি অসি থোয়রকই। মতুং অসিদদি ঐখোয়গী তৌগদবা য়াম্মনথিবনা শাংলবা পুন্সি অসিদা কোয়বা ওমগ্রে।

মরম পুম্নমক অসি মুম্না থল্লুরগা ঐখোরনা থংবা ওমলে। অসুম্না ওইরবা মীওইবা ঐখোয়না ঐখোয়গী হিংহুনা পাম্নবগী থবক পুম্নমক অসি তৌদবা য়াদে। মাহু পাংনবা লাকনরগা নংবু ঐখোয়না মরম ওকপনি হায়হুনা থাগৎকনি। অহুগা মাহু তৌনিংদহুনা লৈথোক্লগা নংবু অতনবনি হায়হুনা ঐখোয়না তুক্কচগনি। অতনবা হায়বা অসি মহৌশানা ঐখোয় তাইবংমীগী হৌনবী কায়গনি হায়বা অসি নখোয়না থংলে। তৌইগুম্বসুং মাহুতা ওইরবদি থরবু ফরি। করিনা৹ ঐখোয়দবু কায়বিরকত্রবদি মহাক্না মপুগী ঈশ্বরগী মফমদা কায়জবদি কায়জসনু হায়বা য়ারমগদবনি। তৌইগুম্বসুং মাসিনা ঐখোয়দসু কায়বা লৈরি। ঐখোয়না অইং-অশা অহিং সুংথিল থায়দনা অসুপ কম্না নোম্মিবসিনদি ঐ; ঐগীদি থোইনা অবাংপা লৈরোইদবনি। ঐ, ঐ৹ অমমমনা অবাংপা লৈত্রবদা ঐখোয় জাং মমদা অমুক করি রাংফম লৈবগে। অহু নত্তনা ঐখোয়না শধ্য়তকনা নোম্মবমক্তদা চাবা ফংত্রিবা৹ শেৎপা নীংবা থুংত্রিবা৹ অসুপ কম্না মেল্লবমক্তদা ফুনবা নাইত্রিবা অসিগী মরম করিনো। নহাক অমসুং নহাকুম্না অতনবা থরগী কুপাননি। ঐনা ওাইহাক নোমজরগা নোমজমনগী পোথাবা ফংজগদববু ওাইহাক্কী মহুত্তা মিকুপ পুংজা থায়দনা নোমহুনসু পোথাবা তাঙবা ফংত্রিবা অসিগী থৌজাম্নলি। ঐখোয়না কালেনগী সুংশা; রাকচৌংগী উন থাংহুনা নোমলগা নংনা হৈরাং লৈরাং৹ মনমনা চুরবা ;তরাগী অমোনবা মোনপাক্তা হিম্নগা ঐখোয়গী করি অরা পোথানফম থোকপগে। ঐখোয় মশেন অমগা অমগা মানা মানা ওম্বা নোমসি হায়হুনা তিম্নবা মীওইবগী জাংতা নংনা মাহু তোক্লবদি রা কায়বা হৌবরু কনাননো অসুম্না হায়বা ওমলবদি ফগদবনি—নোম্নিংবা নহাক নোম্ম্—কালেনগী মৈচাক থাংহুনা লাজোল য়োংলম ফাৎলু৹ য়োংলৈ নোংথাং শাও, নিংথম থাদা হুমাং লাইজ থোক্না লোরাং, শু৹ অতনবা ঐদি হৈবোংগী মথাদা হিপতুনা লাইনা ওম্বা ওাইজগে। লাইনা থাদম্নিরগা চাগে৹ নত্রগা অরাম্বনা শিজখিগে নংনা করি লাম্বিরুগদগে৹ তৌইগুম্বসুং নহাক্তি মাহুম তৌবা

চম্বিবরা, নংদি লোর্মা, মৌনা থংদনা, থাখল থেনবা মীনদি লাম্বা কংদনা হোংবা অহুনা উবা ফো-গাদ্রি চাউবা অহুনা শাবা ফি শেৎলি। ঐনা তুমদ-হিগুনা নোমহুনা ইহে-ঈশিং তমজদ্রি মাহুনা ঐনা ওস্বমথৈ ঐখোয়না হিংহুনা পান্নবগী মরীদা খুদোংচানবা লাক্রি। অহুগা নংনদি লোম্না, মী থংদনা, পোৎথি লৈতবা মীনা লাম্বা কংদনবা তৌহুনা হায়রি নংনা নহে নশিং তমহুনা তরাগী খুদোং চানবা লমশিনবিরি, লৈপাক্কী ফনবা তৌহুনা মীগী ইকাইখুম্নবা কংলি। ঐদি অতনবনি অপংবনা মমহুনা লৈজগে নংনা মাহুগীদমক ইকাইবীক্রিবা করিগীনো তৌইগুম্বস্নুং নংগুম্বা ভাক্তা ভাইরবদি ঐখোয়গী জাৎ অসিমনা কয়া মীথা পোনবা তাবগে হায়বা অহুদি নহাক খংবরা? নংনা হায়রি—ঐনা পংহুনা মিংউইশিন্দুনা লৈজগে নংনা করিগী মখিক্রবগে ঐগী খুরাইদা ঐনা থাংতেকনা য়েজগে, নংনা নাবিক্রিবা করিগীনো? তৌইগুম্বস্নুং মাহুদি নত্তে, নংদি মীনদি উদ থংদনা ঐখোয়গী অহাওবা শরুক মুংঙাইবগী শরুক পুন্নমক নশানা য়েন্নহুনা লোশিল্লি। অওইবমক নহাক্তি হুরানবগা পাংথকনি। ঐখোয় মীওইবগী মরাম্না মরুপ অসিদা বা কায়বা হৌবদ্রি নহাক্লি। নহাক অমস্নুং নহাক্না অতনবা থরা লৈরমদ্রবদি ঐখোয়গী জাৎ অসি পান্ন-শান্না পানবদা কবি য়ৈথাইফম লৈবগে।

ফরে, ঐখোয়গীদা মাংহুনা নংগী কান্নজয়বদি যরমগদবনি। মরমদি পুকচেল চাউবা ঐখোয় মীওইবদি মশাগী মাংগদবা উহুনস্নু মীগী ফগদবা লৈরবদি মুংঙাইথোকপা হে। নত্রগা ঐহাক হুমাংনা শমলাং মচুম তানা নোমজগে, বাহুনস্নু বাই কৌবদা হায়জরোই, য়োৎলৈ জগোই শাহুনা চানবা লাংজগে, নংনা ফরাংজি যিদা শন্দোক্নুনা অবাং-অপা কৌহুনা চাবিয়ু চরাবু হেন্দ্রবদি ঐ শাওজররোই। অহু নত্রগা অরা-অনা থন্দনা অইং-অশা কিদনা নারক শীংলক থংদনা ইমুংগী কিরোই তান্দুনস্নু শেৎচররোই। নত্রগা অবৈবা শেত্নস্নু ইকাইজররোই। নংনা পামলবা কিরোইবু চান্নক গুহুনা নীং মাং হুম্না য়েংহুনা চৎলু; নংনবু ইকাইদ্রবদি ঐদি থোংদাই শেত্না ইকাইবা ভাকনরগে। শিনি হায়হুনা চারিবনি, ইকাই হায়দনা শেৎলিবনি। শিবু শিদ্রবদি চথোকপবু যারবদি ঐ থক শাওজররোই। তৌইগুম্বস্নুং মাদতস্নু নত্রি, অতনবনা নশাদস্নু কায়বা লৈদ্রি। নংগী নশা নউ নিংথিবা উদনা ঐখোয়না নহাকপু নোংমা লাইগুরুগী সেবা ওমলুবগনি হায়দনা হরাওরম্মি ওসিদি অতনবনা নহাকনা নপাজনগী শীজিন্নফম থংদনা মীগী মপোৎ হুরান্দুনা চারয়ে। নহা ওইরিভৈদা নহাক্তী বুদ্ধি ফবা উদনা ঐখোয়না নহাকপু নোংমা লৈপাক্কী মাইরোং ওইররনি চায়দনা হরাওনরম্মি; তৌইগুম্বস্নুং ওসিদি অতনবগী মরমনা নহাক্না চেং মুত্তি অমতংগীদমক মীগী মথোং পায়হুনা লৈরে। অস্নুম্না অতনবগী অহানবা মরুম হেক লাংবমক্তদা মীওইবগী পুন্সি অহুনা অরেম্বদা মাংহি। **An idle mind is the workshop of devil** হায়বসি ইংরাজী পাওরো বাম্না অচুম্বনি। অশেংবা পুক্নিং অহু অতনবনা হেক খুহুম চনথিবদা পুক্নিং অদ মাংখিবগা লোয়ব লোয়নমনা হুকচাং থরাই অপুম্বা পুম্নাং মাংমিন্নখি। অহানবা থোপ হায়বসি মহৌশান্না

পাপকী রাখলগী ঈরৈগী তুংনকুমনি। নোংদম্বা ঈশ্বরনা নঙোংদা যিং পীব্রিরম্মি ; নংনা যিং অদুদ উপুল চাইশিল্লদনা তাংদনা লৈরে। ভেৎবানবা মপুনা নংঙোন্দা নাখোং পীরিরম্মি নংনা নশানা ননাকোং অদনা অঙাংবা য়োংশিংয়োং থিংজিল্লদনা পংদনা লৈরে। ঈশ্বরগী থৌজালগী নহাক্না থবক তৌনবা নখুং অনি কংজরে; নহাক্না নশানা অথৌবা ছোরিনা নখুং অদু ককথংতুনা কমদনা লৈরে। অসিদগী চেন্না কায়বা অমুক করি লৈরিবগে।

মাদনা থোকপদি, অমুপ মুংঙাইরবা তাইবংপানবা অসি অয়াম্বদা লোইবা ঙাইগুমজ্রবা মুংঙাইজ্রবা লীলাগী মওং ওইরে। শিসি শিঙমদে, হিংসি মুংঙাইকম থংদে। চানবা, পুকৈ চোরি, শেৎনবা ফিরুক থল্লি। তৌইগুম্বসুং অতৈ পুন্নমক ইথন থন্না মপুক্লিংতদি অহোবগী মতৌ ওইদনা লৈ। অহিং-মুংথিল, মথং মথং হৌগ্রে, চংলক্লে মুংঙাইকম কদাই অমম-অঙান, অইং-অশা কয়া কয়া ওরে! তৌইগুম্বসুং মুংঙাইকম কদাই মহৌশাগী মুংঙাইবগী ইপোমনা চাংজৌ থুন্না চেল্লি; তৌইগুম্বসুং পুক্লিংগী হৈনিংবদি কদাই! থবক লৈতবগা মামনা রাববু অমুক করি লৈবগে; অসিগুম্বা মতৌ অসি হেক উবদা ঐখোয়না হায়নিংঙি তনগনু, তাইবংপানবা অসি থাজৈশেংবমক মাবু শেম্বা মপুগী শিনসংনি। পুন্নমক অতনবনা কায়বনি। থবক তৌবদা মহৈ য়াল্লোইগত্রা হায়দনা করিগী কিরুবা "যদি যত্নেকৃতে ন সিধ্যতে কো ত্রদোষ" থবকী মহৈদি মরাইনা লাকচবনি।

Time will bring your reward
Then work, work, work.

অসিদসু নত্তনা অতনবনা অমুক করি কায়রি? মমাংদনা হায়খ্রে,—অতনবা হায়বা অসি মহৌশাগী হৌনবী কায়রবা মীওইবগী চাওরবা মরান অমনি। অতনবনা অমুক করি থোকই, মুংঙাইরবা তাইবংপানবা অসি অহুগুম্বা মন্নাইবক থীবা অমগী মকমদা উপাল রাপাল হৌত্রবা, চাক্রবা লৈকংলাগী মতৌগুম্না অবাবগী মশক ওইনা উবসু য়াওই। অমসুং নোংদম্বা বিধিমক্না কংঙমত্রে হায়রিবা মীওইবগী মপোক অসি কংদনসু মাখোয়না মাহাক্কী মুংঙাইকম থংদে। হুমিং তারে নোংঙালে, ঘড়ীগী পুংজানা অমা অনিদগী হৌদনা কয়া য়ৈখ্রে। তৌইগুম্বসুং মাখোয়গী মপুক্লিংদা অমুক হৈলিংবা পোকপা লৈতে। শরৎ বসন্ত নিংথম ওলাংথানচিংবা ঋতুনা হয়া হয়া লাকুনা হয়া হয়া চংখ্রে। ঋতু ঋতুগী মতিক চারা মুংঙাইবা, মুংশিবগী পোৎলুম চাম চামনা তাইবং পুক্লিং থৌগৎনরে, তৌইগুম্বসুং মাখোয়গী পুক্লিংদি মতম পুন্নমক্না ময়োক্ন চোংবা নাইত্রি। ভেৎবালবগী মুংঙাইকম ওইবা হরাও-কুমৈ, ইপে লোংমাই, মকপ-মপাং, লাইহরিক-লাইও পুন্নমক অসি মাহাক্কী হোৎনবা পুক্লিং অদত্রা অমুক হুবা লৈতে। মাহাক্কী মকমদা পুন্নমক অহোবগী অহোবা ভাজা ওই; মাহাক্কী মিৎয়েংসু অহোবনি, খম্মোইসু অহোবনি, রাজনগ

অহোবনি। মহাক্কী অহোবা চিনবান্দা অহোবা মীনোক নত্রগা অহোবা মীকপ করিগুম্বদা উবা কংলবস্থু মাহুগী অর্থ খোইদোকপা লৈরম্‌গনি হায়বা ঐখোয়না খংদে। বসন্তগী মলয়া নুংশিং নামিবনা য়েন্নগা নংগী চান্নবা থম্মোই অদ্‌ ইংনরি; করিগুম্বদগী করিগুম্বদা নংনা নিংবা কায়বা মরম অমনা নথবাইদ্দা য়েনা নিংদরবমকস্থু চাংয়া পামেল য়ৈনা খোংবা তামনাগী তরেংগুবা খোঙ্গোং নত্রগা তাইবং পুক্লিং থোগংনবগী মশক ওইরবা হৈরাং-লৈরাং অমগী নুংশিবা মনম অমা হেক নম্‌দ্‌বদগী পুক্লিং মমাই হেক ওন্দুনা অমুক নৌনা হৈনিংবগী লমদা চংখিবস্থু খংদে; তৌইগুম্বস্থুং ঐখোয়না হায়রিবা মরাইবকথীবশিং অদ্‌গী মকমদদি পুন্নমক অমতনি। মাহাক্কি মশামক্তদা নুংঙাইকম হায়বা অদ্‌ লৈত্রবনি, মপানগী নুংশিং, হৈরাং-লৈরাংনা মাগী পুক্লিং কয়মনা থোগংপা ঙমগনি। মাহাক্কি মশাগী অমম্বনা মশা অপুম্বা কুপ্‌না লৈরবনি, মপানগী করম্বা মঙান্না মাহাকপু মঙাল পীবা ঙমগদগে। মাহাক্কি মথোক মকারকপা মতমদনা হন্থুবগী শীংদা চন্দুনা লৈরবনি, করম্বা হয়াও-কুম্মৈনা মাহাক্কী পুক্লিংবু থোগংপা ঙমগদগে মাসিগী মরম করিনো, মরম অতৈ ঐখোয়না খংবা লৈতে— অতনবতনি। শুনিংলবদা ওকপা লৈত্রবা মতমবু করিনা লেনবদা থাকম থোকপগে অতনবতনি। নুংঙাইবগী ইপোমনা সনজিং নাপোম থুমনা চেন্নবা তাইবংপানবদা নংনা অরাবগী শোর হোনফম করি থোকপগে— পুন্নমক অতনবতনি। নংনা নুংঙাইকপী অর্থ নিংথিনা খংলমলবদি অতনবা তোক্কুনা থবক্তা খুংথিংজিন্নমগদবনি। নংনা মশা কবগী কান্নবা চংথোক্না খংলমলবদি অতনবা হায়দোক্কুনা থবক্তী মরমদা মায় ওনশিনন্নমগদবনি। নংনা ত্তেংবানবা শেম্বা মপু ঈশ্বরগী পুক্লিং নিংথিনা খংবা ঙমলবদি অতনবা পামদহনা থবক্তা মায়পুনরমগদবনি। নংনা ত্তেংবানবদা মায়-পাক্লিবা নত্রগা তাইবংপানবদা অচৌবা থুবম কংলিবা পুন্নমক অসিগী মরম মুন্না খংলমলবদি পায়দ্‌না চংলিবা মতমগী ঈচেনবু থবক্তী পন্না খিংলমগদবনি। মৈতৈনা হায়রিবা অমা লৈ, মতম হুইনা খজরন্নবা পরুবা মচা অমদা মাহাক্কী ওন্নানা শিরমদাই য়োরবতদা লাইবা অমা তাকশিল্লশি, মাহুদি— তনগম্থু, অওইরমক তাইবংপানবা অসিদা মায়পাকনবগী মরমগী অথোইবা লাইয়াদি— তন্দবতনি।

মিন্নুংশি

ঐখোয় মৈতৈগী মিন্নুংশি হায়বা যাহৈ অসি মীওইবগী পুকচেনগী মরক্তা ওন্নাংথাগী য়াচংবদা শাংপা লৈরাং, মালিকাদগীস্থু হেন্না থোংলবা পুকচেল্লি। মাসিন্না মীওইবগী থম্মোইদগী হেক তেন্নরকপা মতম অহুবা মীওইবগী করক য়েন্নবা অশাওবনচিংবগী য়ারক পুন্নমক কাউহুনা মতম থরদি লাইত্রপাক্তা পোক্লবা জীবগী মওং ওই। মাসিন্না নুংশিবগস্থু তিমদে; নুংশিবনা নুংশিবগী মকমদা থোক্তবদা মেন্নবগী পুন্নোল কংপা অসি মহৌশানা তৌনিংদে। ঐবু নুংশিবা মী অমুবু

ঐনা থুংশিবা ওন্নি। তৌইশুবসু অয়োমগী কনানা মরম, লৈতনা থুংশিনবা ওয়গে ঃ শক অঙাংবা লৈতেংবা মী ঊবা মহৌশানা ঐথোয়গী পুন্সিদা থুংশিবা লোক্কই। তৌইশুবসু শক শুপ থাওরবা, থুংশিকম, মরম, অমতা থোক্কনা মী অমুদা কনানা থুংশিবগী কোলোই শন্নিবগে। মাসিগী থৌজালগী থৌরং। থৌজালা মহৌশানা থৌজালনবা মতিক চাবা মতমদা থৌজালগী পান্দোম থিংখোক্লনা কোনজা পাম্মি। থৌজালা মতম পুম্নমক্তা চেন্দবা ঈশিংগুম্না থৌজাল হৈবা মীগী খমোকিদা তুংলনা, লৈবতনা মথৌ ওই। তৌইশুবসু ঐথোয়গী মিথুংশি চায়বা অসিদি থাজৈশেংবমক লোংনা মমপ্রবা অফিংবা লোংথাংকুপ্পা লম্মাওনবা অংকৈ চংপ্না মীদা কায়বগুবনি। মাসিগী চাবগী মায়দে। চাবা হায়বা অসিনা তোংনকনবদগী পোক্লকই। চায়বনা চায়বগী লেজোবা চিনগা চিনগা, পাম্মোমগা পাম্মোমগা, মাইগা মাইগা, মিংকা মিংকা, তিন্নগদা থুংখাইনে। তৌইশুবসু ঐথোয়গী হুন্দকী মিথুংশি হায়বা পুকচেল অসিদি তোংনবগী থিদে, তিন্নবসু ডাইদে। লমল্লানবসু চায়বা মরুপকুম্না কোয়বা পাম্মি। মাসি থাজৈশেংবমক নোৌবদগীসু নোৌবা, থোংপালগী থোংলবা ওলাংথাগী মাবৈয়া শাংলবা কৈরাং মালিকাদগীসু হেন্না লুবা পুকচেল্লি।

থৌজাল হৈত্রবা ঐনা লাইদা অমলিবা চাকমিবনা চেং খুরা অমতংইদমক লৈবীগী থুংহৌ মরক্তা তাহনা থালোম লৈতাবনু লায়না থৈহনা চংপা ওন্নি। থৌজাল হৈবা নহাক্না ওমজব থুদোল থাদুনা থৌজালগী মগুণ উংলন্নি। তৌইশুবসু থৌজাল হৈবা মহাকসু থৌজাল খংদব ঐহাকসু মাহাকী মকলবা মাইথোং, অবাবগী খুৎলোই উহনা পুন্সিংদা থুংশিবমখৈ ওন্নি। ঐহা অসি চা মামা শোইরবা অতোনবনি হায়বা কনানা খংবিবগে। মতম অসিনা মিথুংশি হায়ব থাহে অসি থৌজালগীসু হেজিন্না মথুং চনশিন্নি। মাহাকী অবাবা অহু উহনা মতম অহুদা ঐ লালোকগী লাইহুদ অহুদা মিথুংশি হায়বা পুকচেলা থৌজালগা খুজেং পালোইনমা লৈতবগী পান্দ্রব অবাবগী অফিবা পুন্নমক থিকুপ খরদং পুমকাও কাওহন্নি। থুংশিহৈবা মহাকমা মংখা থুংশিনজ্রি অহুগা নাপচিন্না থুংশি কোলোই ডাংনরিবা অহু ঐনা করি থিরুফম লৈবগে। নবিঙানিগী থুংখাইব। নবিঙানিগী অবাবা নবিঙানিগী নরননাইনি। তৌইশুবসু নখোয় অনিগী থম্মোয়গী মরক্তা খাইনবগী মৈনা লমজাও খোম্না হেক চাল্লবা মকা কল্লমলবা মাইথোংদা অবাবগী খুদমনা হেক চোংথোক্লব মতমদা ঐগী কন্নি মন্নি লৈত্রবসু নখোয় অনিগী অবাবদা থাবিহনা অতৈ করিমক ওমত্রবসু থুংশিব কোলোই মঙা ভরাদং শক্লনা ঐগী মমল য়ামলবা মতম মাংহনবদসু ঐনা থোইনা লিকপা পান্দদে মাহাকী মরম অতৈ করিসু লৈতে, থুংশি থংত্রবা ঐসু মিথুংশি য়েংবা ওমদহনা লমজা পুন্নিবনি ঐ অসি মহৌশানা তোপতোপতাবা মীনি। কনাগসু চাবা হেৎতে, অতোপসু লৈনি। হায়ব লুবা পুকচেল অসি নোংদম থীবা বিধাতানা ঐতোপ্পদি তম্বিন্নমক্তে, তৌইশুবসু পোকপগী উনখিবা নহাক্না করিগুম্বগী অবাবগী ঈশাক্তা তায়বা থায়ৈ [illegible] হুম্না য়েংবা [illegible] ঊরবা অমাং হনবদা চাংজৌ থংকম থোক্তবা মতম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

চারবগী পাম্বোম ভিংথোক্লমা অনৌবা আশামখৈ পীরক্লবদা লিক্লিংদে, মরমদি নংগা চাক্লন্ত্রবা, ঐহাক অসি মীগী মীহুংশি য়েংবা [illegible] পুক্লৌন করবা মীনি, পোকপদগী থৌজানগী মরিক অমতস্থ কংলক্তে, কংলক্লবস্থ মাহু ওমদবা অতোনবগী মওং ওইনা লৈরে ; অহুগা নংবুদি ঐনা হুংশিবগী খুদোল পীনিংবস্থ লৈতে ; নংগা ঐগা রাশিতিক্লবা মীওইস্থ থোক্তে। অক্লেম্বনি, লৈম য়েংলিঙৈদা খুস্থ কাহ্নুনা তোকই। নংগীস্থ কাক্লদে, ঐগীস্থ ওইজদে। মিৎলুদা কক্লিস্থ নত্তনা প্রেমগী থারা অনি মরিদং শিন্দবা নত্তনা ঐনা নংগী করি তৌবা ওম্বগে। মরম অসিনা মিহুংশি হায়রা অসি হুংশিবা চারবক্লগীস্থ হেন্না মহুং চনবা অমরোমদা বাখলগা য়োয়নবা পুকচেন্নি।

মাসিগা মশাগী কান্নবা থিবা পুকচেনগা মরি থৌকপা লৈতে। ঐখোয়না ঐগী নত্তনা অতৈ থংদে, ঐখোয়না ঐগী নত্তবা অতোপ্পগী মরমদা থিরুবা পামদে। তৌইত্তবস্থং ঐখোয়গী মিহুংশি হায়বা অসিদি মাহুগা ওন্নতৈনবনি। ঐগী ইশাগী তোংজবস্থ লৈতে করিগুম্বদা নংগীস্থ কান্নবা থংদে, অহুম ওইনমক মিৎলুদা তরং লাইজ শিন্দহুনা অরেম্বদা পেস্নরি। মাসিগা ভক্তিগস্থ ভিন্নবা লৈ। মশাদা ভক্তি মরিক অমতা পক্ত্রবা কনাগুম্বস্থ মিহুংশি য়েংবা ওমলহুনা লমজা পুবা য়াওই, মাহাক্তনা থৌইনশিন ওইহুনা ভক্তি য়াওত্রবা ঐহাকস্থ মিৎলুদা প্রেমগী থাম্না শিন্দবা হৈ। অওইবমক মাসি য়াম্না ওমলবা মীওইবগী থম্মোইগী লকা মহুংদা খুত্তনো লৈরবা পুকচেন্নি। ঐখোয়গী লাইবক ফবনা মাসি মীওইবা অয়াম্বদা লাইর ইনাকখুনবা অচৌ অপিশক থায়রনা থাই অপুন্নগী লন ওইনা লৈরমলে। থোইনত্তম মাসি অতোনবা, লাইরবা, অনথো, পাম্মবস্থ লাইবক থীবনা থৌজানগী থবক তৌবা ওমত্রবা ঐখোয়গী লন ওইনা থোক্লি। মাসি থম্ম থম্মগা থাজেংশেংবমক তাইবংপানবা মপুগী অশীর্ব্বাদকী মওং ওইনা ঐখোয় মীওইবদা পীনবিরমলবা মমল মাইত্রবা লন্নি। মাসি লৈতবনা তাইবংপানবা অসি মীওইবনা লৈবদা মতিক চাবা ওইহরিবনি, মত্রবদি মশাগী নত্তনা অতৈ থংত্রবা তাইবংপানবদা লহায়া মীওইবগী খুত্তম অদি মুংগ্রগদবনি। মাসি লৈবনমা তাইবংমীগী লোম্না অবা মুংণ্ডাইবা মতম পুম্নমক্তা মীওইববু পুকমেল পাওমেম্নহুনা তাইবংপানববু মপুক মরা তপা থম্না ওম্মিবনি। নত্রবদি লহায়া ওলাং চাওরবী তেংথানিকা অসিদা অশাওবগী মৈচাক্তা চাক্তনা তাইবং মীগী মমিং অসি কাউনগ্রগদবনি।

মৈতৈগী কেথোক মোথোকপা থাইনা অমস্তুং হৌজিক

ঐখোয় মৈতৈগী করিগুম্বা থাগৎনকম লৈরবদি ঐখোয়না থাজে, লুবা নানবা অসি অথোইবা অমনি। তৌইগুম্বস্তুং হৌজিকী মতম অসিদা ঐখোয়গী ইপা ইপুগী অথোইবা লনগী মশক ওইরবা গুণ অসি মতমগী ঈরৈ মতুংইন্না তোংঙানবা অর্থ অমা ওইহনা জাৎকী চাওখৎপদা ময়েং তানবা অমী শেন্দা তেংবাংঙরে। কালগী পোইরৈ ইন্দুনা মতম অমদা নিংথিবনি হায়না উরম্বা মিং অহুমকনা মতম অমদা ওনতৈনরবা অসি থোইনা ওককম লৈতে হায়বা থংনা থংনা ঐখোয়না ওকুবা ওমদবা মরমস্তু লৈতবা নত্তে। লুবা নানবা হায়বা অসি লাইরৈপাক্কী ওইবা নিংথিজরব গুণনি হায়বা অসিদি ঐখোয়না থাজদবা ওমদে। তৌইগুম্বস্তুং কেথোক মোথোকপগা মাসিগ অমরোমদা নকনবা মরি লৈবগুম অমরোমদা মাসিগা থাপনগদবা মরমস্তু লৈ। মতম অমদ ঐখোয়গী কেবা মোবা কম্বম তৌরমই। থাঈনা মহায়রসি, মতম অহুদা পাল্লম্বা ইপা-ইপুশিং অহুদি জাৎ ওইবা তোংঙানবা হৌনবী অমতংদ্রি চুপায়বগুম পায়হনা অতোপ্পগী থাগৎনকম ওইরম্মি মরমদি অতোপ্পা অমগী মতৌ তম্বা হায়বা অসি মাল্লবমকস্তু কিদন ওইরিবা অহুগী মথা পোল্লি মাল্লগা মীগী মীনোক চংঙি হায়বা অসি অরানবা নত্তে। অহানবদা ঐখোয়গী তুখোংলংবা হায়ব বাহৈ অসি মতম অহুদা মামা ইকায় খুম্নরম্মি। লংলবা হকচাং অহুদা মনম মুংশিরবা লৈরা তৈহনা কেনরম্মি। উরিক লুকুন মচু তাবদা থাগৎনকম ওইরম্মি। মচল মরম মরালগুনা হাপ্তনা ফুথলবা চেংহিনা কোজী থাও জাৎ অপুম্বগী মহুত্তা পায়রম্মি। ঈশু তারবা লশিংগী ফিতনা শেংনইরফিগী মকোক্কি হায়না থাজরম্মি। কুইত্রিবা বানি— ঐখোয়না করিগুম্বা উৎসবনচিংবা অমদা চৎলমদ্রাইদা মকম গুনা চন্দোয়া লৈতেংহনা তৌনা গুরবা লংহিংফি শেত্তনা চৎপসি অকেবগী খুদম ওইরম্মি। হৌজিক অসিদা ঐখোয়গী মরক্তা কনা কনাগুম্বনা অয়াম্বনা হায়রবস্তু থোক্ত-লোকপা দোষ লৈগনি হায়বা নীংদে, মাসিবু পংক্তিগী য়োৎখিংলিতৈগী থরকনি, কনাগুম্বা থরা হেন্না শিংবনা মতম মাংনবনি হায়হনা নোক্নবা অসি ঐখোয়না কন্নি হায়সিগে। চুম্মি হায়সির, চুমদে হায়সিরা। তৌইগুম্বস্তুং পামত্রিবা ঐখোয়গী বাতা লৌবমদি আইন কায়দবা বা থোক্তে, মতম অহুগী মৈতৈগী হিরম অসিগী মরমদা খল্লবা জনষ্টোন সাহেবনচিংবা মীরৈপাক্কী মীগী প্রমান লৌরবদি কন্নি থোকই। মতম অহুদা মৈতৈবু য়েংলম্বা পুম্নমক্কা মৈতৈগী জাতিপামবা মতৌ উৎহনা থাগৎলম্বা ওাক্তনি। জনষ্টোন সাহেবপু ঐখোয়না কবিনি হায়না থংমে তৌইগুম্বস্তুং মাহাক্না হুমিদাংবাই হুমিংনা চীংয়া থাংবদা মৈতৈগী পশোৎমুক তৌরবা কৈথেল উহনা চিনবান চাম্না কয়াদা থাগৎপা।

তৌইগুবসু হৌজিক্কি কেবা মৌবা পাম্বা অসি ঐখোয়গী লৈতরবরা মাহু নত্তে, হৌজিক্কা হেন্না থাইনা ময়োল্লা অনখিবা অমু হৌজিক্কি মরেং চাম চাম লোংহুনা মপান মহে য়াদ্রে। হৌজিক অসিদা মৈতৈগী মশক থংবা অসি কনা লুপ্রে। লাইবক্তা মকম শূত্রবসু চন্দন খরদং তৈরগা লুপা অহুবুদি ঐখোয়না কনানা হায়রবসু মৈতৈনি হায়না হেক্তা থাজে। মরমদি মাসি ঐখোয়গী ধর্ম অসিগী খুদম অমনি, অতুম্বা পোযাক, ফিজেৎ লৈতেং পুন্নমক্তা ঐখোয়গী শকথংবা অসি কনা লুপ্রে। লাইগী থৌজালগী ঐখোয়দা ভশিবমথৈসু মাদবা থক লৈতে। অদুনা থোকপদি হৌজিক অসিদা মৈতৈ য়ামদ্রে—মীতৈ স্যাহেব, মীতৈ বাবু অসিনচিংবা। মীতৈ হায়বা অসি হৌজিক অসিদা থাজেশেংবমক মীতৈ ওইরে। অসি হায় হায়হুনসু মতম মতমগী মতিক চানা মীগী অপাম্বা ওনবগী মরমদগী ফিজেৎ লৈতেংগী মরমদা য়োংফদে হায়বসু ঐখোয়সু খংদবা নত্তে। তৌইগুবসুং পুন্নমক পামশিন্নরবদ হৌজিক অসিদা লুবা নানবা পাম্বদগীসু কেনিংবনা য়াম্না হেনখ্রে ; ঐখোয়না হায়— ইমুং মসুংদা চাদবদি কনানা উবগে। তৌইগুবসুং মীরক ভিন্নবদি মীমাম্নদবা য়াদে, হায়বদি অঙম্বনা অকরা শেংলকইবা অহুগা মান্নবা শেংবা য়াদে কনা ওকপা বানি। ঐখোয়না হৌজিকমক ভঙনা উবা ফংভি— মপান হেক থোকপগা মৈতৈগী লমজাও অপুম্বা অসি মথল মথা অয়াম্বা মচুগী ফিনা পুমওান ওাল্লি। কনাগুম্বনা ঐখোয়গী জাৎকী অশেংবা ফীরোই শেংপা য়াওরবদি মাহাকপু থাইনগী মীনি নত্রগা মথা হুম্বদগী লাকপা মীনি হায়হুনা খংনরি। য়েংউ, বসন্ত ঋতুনা হেক লাকপা মীতৈ অপুম্বদা মরাং হৌরে হরিবোল য়াওশং মৈথারে, শাবী শানৌ অপুম্বা ওম্বোক ওম্বোকপা ফীরোই হোংনরে। কনানা লাইরবা, কনানা তৌবা ওমবা, কনানা অপিকপা, কনানা অচৌবা কনানা খংগনি। মাসিনা থোকপদি— লৌরাং শুরুবা ইচিন ইনাওশা। চহি কুমলাং চুপনা লাঙ্গোল য়োংলম ফাংলুবা ; য়োংলৈ নোংথাং কুপলুবা, তেম্পাক কাংগ্রুম শাক্রবা সুংওাইহৌ, শেংহৌ চাহৌ অহুগীদমক্তা বাক্তরিবনি। চীংদোক মাপন লাম্না মীরৈপাক্তা য়াকচিংগী উন, কালেমগী সুংশা খাংদনা লন তাল্লুরিবা ইচিল ইনাওশা। করি হায়রবগে শেংহৌ চাহৌ। শিগ্রগা ইহে হায়দনা তোকনি। তুমদ চাদনা মহে নশিং তাল্লিবা, ইচিন ইনাওশা। কনানা করি হায়রগনি, শেংহৌ চাহৌ শিগ্রগা লাকুনা শেংলবা, লাকুনা চারবা য়াবরা।

ঐখোয় মৈতৈ হায়বা অসি অমরোমদা য়াম্না লাইবক ফরবা জাংনি। অপেনবা হায়বা পোং অসি নোংমম্বা বিবিনা ঐখোয়মীদমক থাকুনা খঙ্গিরবগুম তৌরে। ঐখোয়না জাং অতৈবু নোকনে— মরমদি মাখোয়না তুমক হিগুনা মাওকপা নাইদনা লন তাল্লিবা অসিবু করি কায়রবগে ;— মাখোয়না অমত্তং শেন্তোয়রকই অমত্তং চাখোয়রকই হায়বসু লৈতে। অসি হায়হুনা ঐখোয়না লৈজবদগী পুশিন্নুনা চাখোকই, শেত্তোকই, মাহুমীনমক থোয়না বাকুবা লৈতে। তৌইগুবসুং ঐখোয় কনানা খন্নুনা য়েংবগে! পোং পুন্নমক অসি ঐশী ঐশী ইভিক চাবা অয়ম ইরে লৈবা ভাকনি। ফিজেৎ চাকচাগী মরমসু অহুমগাই— ঐশী ইভিকচানা শেংল চারবদা কনানা করি হায়রগনি। মাহুনগী

থোইদোক হেন্দোক্লবতৃবু কেথোক মোথোকপা কৌবনি। নিংথৌনা সাগী সিংহাসনদা কমগনি, সানা শাবা পোবাক্তা মত্রিমুক্তা থান্দুনা খোনসমু তোবা ওবনা মাগী মতিক চাবা নিংথিবা কীরোই হোংসম্ নংনা মাচুগীদমক করিগী তুম্বা কায়কম থোকপগে, তৌইগুবসুং ঐখোয়না হাবদি হৌজিক অসিদা ঐখোয় পুন্নমক অচৌ, অপিশক, লাইরল—ইনাকখুনবা থায়দনা কেথোক মোথোকপা অমি পায়খরে। মাদুনা থোকপদি লায়রবা। চুম্মি, ঐখোয়সু ঐখোয়গী শেংনা ইমবা শাজবা থরতা নত্তে য়াম্না হৈ। লৈপাক য়চা অসিবু ফিজেং চাকতা তম্বিবদি ঐখোয়সু নৈতৈনদি হায়দবা য়ারোই। মীরৈবাকী থংবা কন্নাগুম্বনা মৈতৈবু ফিজেত্তবা জাৎনি, হায়দুনা নোংবা অমু থংদনা অদৈ শানিংবননি, থাজরকগনু। মজা ইবেম্মা খোইবীনা য়েৎনা হুম্না ওনা ওক, ওইনা হুম্না য়েৎনা ওক, শাবা খিংগে ম্না অতুদা নত্তে, অতুগী মমাংদগী মৈতৈ ফি অসি জাৎ পুন্নমক্কা থাগৎনরক্লবনি, মামু মতম অতুদদি ঐখোয়নসু পাম্নবা শীজিন্নরদ্রি। তৌইগুবসুং হৌজিক্কি মাদ, শেংলু ইদুরবদি মীরক জিলবা মী তাথরে; অদনদি ঐখোয়না থরদং ফংজবা শেল অদ, মীরৈপাক্কী লাল্লোনবগা য়েম্নবিরে। থাইনসু ঐখোয় মৈতৈ হায়বা জাৎ অসি য়াম্না কেবা মোবা পাম্মি; তৌইগুবসুং মাদ মা ঐখোয়গী কান্নবা নত্তনা মাংনবা তৌদে। হৌজিকসু থাইনদগী কেথোক মোথোকপা হেম্না পাম্নরে; তৌইগুবসুং হৌজিকী কেথোকপা মোথোকপা অসিদি লৈবাক্কী মাংননবা নত্রগা লাইরনবগী মরমদা তেংবাংলরে।

মীনা করি হায়খিগদগে

তাইবংপানবা অসিদা ঐখোয় মীওইবনা চৎলিবা অসি য়াম্না অওকপগী মশক্কি ঐখোয়না ঐখোয়বু ইনিং ইথা তম্বনি, মীওইবগী মনিংমথা তম্বা অসিম্মি পোকপদগী লোয়নরকপনি হায়দুনা ফনা লাওজদুনসু ঐখোয় মীওইবদি অথোই অহেন নাইনা মীখা পোন্দবা য়াদে হায়বা অসিসু অচুম্বা য়ানি। ঐনা পামজদুনা করিগুম্বা থবক অমত্তং হেক তৌজগে তৌরকপদা কমানা করি অমা হায়রবসু পুক্কিংদ ইতোমতা অকিবা হেক পোকই—মীনা করি হায়খিগদগে, ইশানা চাজনিংদুনা করিগুম্বা লাখজবদ কমানা করি পীবিরব্রবসু পুক্কিংদা চিংনবা হেক পোকই মীনা করি হায়খিগদগে। মীনা শেংনদনা করিগুম্বা লৈত্তেং অমত্তং হেক তৌজগে তৌবদা কনাগী মপান্না তাংজকদি মত্তে হায়বা থবনা থংনা পুক্কিংদা ইচং থোক্লবা ওমদে—মীনা করি হায়খিগদগে! "মীনা তৌদ্রবা করিগুম্বা অমত্তং ইশান পামজদুনা নত্রগা অকবনি, ঐগী নত্রগা লৈপাকী ফনবনি হায়না খল্লুনা তৌজগে হেক তৌবদা পুক্কিংদ কনাগী থোইনশিন অমা য়াওদনা অকিবা হেক পোকই—মীনা করি হায়খিগদগে।" "অঙাং" মীনা করি

হায়খিগদগে হায়বগী কিবদা ঐখোয়না অকবা থবক কয়া তুংহন্নহনা তোকই৹ অদুগা মদুকম্ভু অমরোম্বদা ফত্তবা থবক কয়া তৌগদবগীম্ভু মরুপকুম্বা থাদ্দি। মাসিগী মরম করিনো।

ঐখোয়না লাইরিক অসিগী মকম অতৈদম্ভু থরা হায়রে— মীওইবা হায়বা অসিদি জীবনিদি হায়রগা জীব অতৈদগী মাখোয়না তোংতানবা মগুণ থরা লৈ ; জীব অতৈগুম্না মীওইবম্ভু মশাগী হুংতাইবা মশাগী ওইজবা থিদবা য়াদে৹ অদু নত্রবদি মখোয়গী জীব ওইবা অদু তোকপা তাই। অরাম খৌরাংবনচিংবা জীব অপুম্বগী ওইবা অসি মীওইবম্ভু লৈ৹ তৌইগুম্বম্ভুং মাদুগা লোয়ন লোয়ননা মীওইবদি অতৈগী ফনবা৹ অতোপ্পগী কাম্নবগীদমক্তা মশাগী ওইজবম্ভু অমুক থাদোক্কবা য়াদে। মাসি কনাগুম্বা জীবদা থরদং ময়োল হনখিবা অদ৲ মীওইবদা মপুং ফানা মহৈ য়াম্নরে। মাসিদি কদাইদগী হৌরকই। মীওইবনা—অশোনবা তাইবংমীনা৹ লানফমগী মশক ওইরবা তেংবানবদা মশা কঞ্জবা ওম্নবা মাগী মাগী কাংবু পুম্না তাবদগী মরু ওইবদি মীনা করি হায়খিগদগে হায়বা মীওইবগী রাখল অসিবু অসিদগী ময়োল হনখিদুনা তাইবংপানবদা চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিন চংশিল্লকইবা অদুক্কী মতিক মাহাকম্ভু মশা মরেং অম্নম লোংথোরক্কুনা মপুং ফারবা পাম্বী অমা ওইররে। মতুং অসিদা মাসিনা মীওইবগী কিনকম অমা ওইগ্রে। নংনা ঐবু কিদবা য়াই৹ হোংবনা চাওববু খৌশাদবম্ভু থংদে তৌইগুম্বম্ভুং ঐখোয় অমমমনা ঐখোয় অমমমবু কিদ্রবম্ভু ঐখোয় অপুম্বগী পাঙ্গল ঐখোয়গী জাং অমবুদি কিদবা ঙমদে। নত্রবদি ঐখোয়গী হিংদুনা পানবগী মরমদা অকায়বা অমা থোকই। অদু নত্তনা কৈগুম্না লামলগা শজিগী মথক্তা হেক চোংশিন৹ মমানা কাম্নবা মতম হেক লোইবগা মমা মচা হেক থংনদা৹ চাবথকপনচিংবদা মীগী মীনোক কিবা য়াওদনা পংচাচা পংথকথক তৌরবদি ঐখোয় মীওইবগী মীওইবা হায়বা অদু কদাইমখৈ ঙাকপা ঙম্বগে হায়বা অদু ঐখোয়না থংদে। মাসিনা চাওখৎলিবা অদুক্কী মতিক জাং অদুম্ভু চাওখৎলি হায়বা থংনৈ। ঐখোয়না ঐখোয় মশেন ইংনা পানবা য়ানবগীদমক্তা বায়েন কাতি অমা শাদুনা থদ্মি। ঐখোয় মশেন হেন্দোক্কবা য়াদে৹— হেক হেন্দোকপগা কাতিনা চপতুনা মাম্নহল্লি। মরম অসিমকনা ঐনা পামজদুনা তৌবা থবক অদু ঐবু চানবা থরনদি য়াবিরম্ভু থংদে হায়বা থাজদদুনা ঐখোয়না পুক্নিংদা কিদবা ঙমদে৹ মীনা করি হায়খিবা লৈপাক্কী রুদ্রি অমা লৈ— মাদু কায়রুরবদি মীমাংফম্বা তারি৹— মাদুদা থোইনা কামফম থংত্রবম্ভু —লৈতেং শিন্দবা য়াম্নবঙুম ঐখোয়না ঐখোয়গী পুক্নিংদা কিদবা য়াত্রি— মীনা করি হায়গবা ঐখোয়না থংতি৹ ঐনা চরা হেনবা তারবদা কনানা ঐঙোন্দা চেং খুয়া অমতম্ভু পীবিরোই। ঐনা উকু শেত্নদা লৈরবা কনানম্ভু ঐঙোন্দা ফি খুবাক অমা পীবিরগদবা লৈতে৹ তৌইগুম্বম্ভুং মাদু থংনা কিদবা ঙমদ্রে।— মীনা করি হায়খিবা। মীনা করি হায়খিবা মথক্তা হায়রিবা রাখল অসোয়বা পুম্নবদি য়াম্নরোম্নবা তারি৹ অমম্ভুং ঐখোয়না থাদোকপা ঙমফম থোক্তে৹ তৌইগুম্বম্ভুং মীওইবগী রাখলগী লাইবা পুম্নবদি মাহাক্কী অমুক চেনুফম লৈত্রে। মাহাক্কী অফবা য়েংদুনা

মেশী ইকাই খুম্বা ওয়াকল্লোনমক থাহে চাম্না ঐলেশি। লৈথোকপগুম অমরোমদা অমুক, তাৎনীবা লেবা য়াত্রি। মরমদি থাগৎলুরগা থাম্বা অসি ঐথোয়গী মত্তাবনি।

অমরোমদা মীনা কল্লি হায়খিগদগে হায়ন্তুনা কিবা অসি মতম অয়াম্বদা ঐথোয়গী চাওখৎপগী হীদা পনগী মশকনি। মরমদি কিবা হায়বা অসিগী অর্থবু থৌনা ফবা য়াৎপা নত্তনা অতৈ ত্রি ওইকম থোকপগে তৌইগুম্বনুং মাসিগী অকবগী মনুংদা অমুক অমম্ব লৈরি।— ফওবা থবক্তগী মায়ওনবগী মরমদা মীগী মীনোক কিবা অসি অশোয়বা নাইত্রবা হিদাক্নি। তৌইগুম্বনুং অকুপা থবক তৌবদুম ঐথোয়না মীমাং কম্বা তাগবরা হায়বগী কিবনা থবকী লম্বদা তুংহন্নে। মাদুগী অংথাইবা মরমদি থৌনা ফবা নত্রগা ঈচং থৌবা য়াৎপননি। থৌনা ফবা পুকচেল্লা লৈত্রবদা থবকী লমদা ঈচংথৌবগী কান্নবম্ব থংত্রবদি মী অহুগী থবকনা করম্না নিংথিনা পাংথোকপা ওমফম থোকপগে। মৈতৈগী য়াহৈদা হায়বগুম্না তাইবংপানবদা পোকলিবা মকোক্তা মশম হৌবা মীনা অমুক লাইবা লৈতে। মী পুম্নমক অসিমক মাগী মাগী মতিক থোকপা মগুণ অমমম লৈবনা নম্মি। তৌইগুম্বনুং মীনা কল্লি হায়খিগদগে হায়বগী কিবনা মাগী মগুণ অদ মতম অয়াম্বদা চীংদা শাৎপা ইঙেনলৈনা চিন্নদনা অমম্বুং নম্বিনবা য়াওদনা কেনখিবগুম্না মাংখিবা ওাক্তনি। ঐনা কুইনা থবকী লমদা শিন্দমলবা মরমদগী থবক পাংনবগী অনৌবা পোথি অমা ফংজরে, তৌইগুম্বনুং মীগী মীনোক কিবদগী ঐনা শোয়দনা কাম্নরনি হায়না থাজরবা পোংথি অহু চিম্বান অসি কাংথোক্তুনা অতোপ্পদা হায়রুবা ওমদে। অহুমক নত্রগা ইশাগী থবকমক্তা—ঐগী ফরবা দোষ য়োনা শীজিন্নগদবা কৌইমাহুনা ঐগী ফম্নবা, দোষ অমতা পক্ত্রবা পোৎথি অহু মথক্তা হায়খিবগুম লৈকংলাদা শাৎপ কেক্তুকীনা য়েংখিনবা অমম্বুং নমখিনবা য়াওদনা গুনগী মালংবদা লৈনম কওনা তোকপগুম ইশাগীঃ কান্নদা লৈপাক্তীম্ব কান্নদা অরেম্বদা মাংহুনা তোকই। অমরোমদা থৌনা ফবা মীনা মাহাক্ল ফগনি হায়না নিংবা থবক অহু তৌবদা মাথোয়না মীগী মীনোক, লৈপাক্তী ক্লহি, য়ায়েনগী কাং পুম্নমক অসিদা মাহাক্লা মিংচিনা য়োনা য়েংবা লৈতে, মরমদি মাহাক্লা তাইবংপানবদা পোকপা অ থবক অতোপ্পা অমা অহু পাংথোক্লবা লাকপনি। মাহুদা মহৈ য়াত্রবম্ব মাহাক্লা মীগী মীনো ফংগনি হায়বগী থোইনা থোইরাংঙবম্ব লৈতে, থবক পাংদনা নামৎ মাংখিবগী মিহৌক্লবম্ব লৈতে মহাক্লা থাজে, যদি যত্নে কৃতে ন সিধ্যতে কোহত্র দোষঃ। "অমুকম্ব ঐথোয়না ঊই-তাইবংপানবদা মীনা তৌওমদবা থবক পাংবা ওমখ্রিবা, পৃথিবীদা খুইদগী কান্নবা অমম্বম কোংদোক্তুনা অমাংবা লৈত্রবা মিংচেং কংখ্রিবা মীশিং অসি মীগী মীনোক কিহুনা থবকী লমদা মাইওনবা য়াওদে। হুংশিংকী মমাংথানা চেক্লিবা রেলগাড়ী, অতিয়াদা পাইরিবা বেলুন, খুক্লা অসি অহানবদা মীনোক চংদবা কল্লি য়াওবগে। মীমাং কম্বা কমলবা, মীনোকী তাদোম কম্বা লেংবা মতুংদা হৌজিক্তদা মাগী অওইবা শকফম অদ 'ঊবা ফংদব্রা 'খুইক্লা য়াওবগী' অময়ে তিংথোক্লনা কোম্ন্রি। মথোম্ন পুম্নমক অসিবু" শোমলাকপা লাইশোক্তুমলিং অহুনা মীনা ম

হায়গনলগে হায়বা কিন্নুনা আয়ওয়বলবদি ঐখোয় তাইবংমীগী লাইবক্তা অহন্না পুনোং চাবা পুন্নমক অসি ওমলমমোইদবনি।

ঈচংখোব, থৌনাকবগা, পোৎখিগা মন্নী থোকপা লৈতে হায়রগা কনাগুমনা মীনা করি হায়খিগদগে হায়না থনবা অসি অকবনি হায়না লৌনিংবসু য়াওই। অমরোমদা অচুম্বসু লৈ।— ঐখোয় মৈতৈগী পোৎথি হায়বা হায়কা বাহৈ অসি থবকী লমদা থরদা মতুনা য়ান্না কায়বা অমনি। মালিবু মতম মাংনবনি হায়না থজুরবদি বাহৈগী অচুম চুমদা নত্তনা থবকী মরীদসু অকায়বা লৈ। পুক্কিংনা থবক তৌগে হায়রগা লেপ্পি পোৎথিনা মাহু থুংনা পায়জিনগদা পাংনবগী পোরম থি। মাহুদা চংখিবা মতম অদু থবকী মাইকৈরোমদগী ককথৈ। অমসুং মাহুতা মতুনা থবক মশক নাইবা ওম্মি। থবকী পোরম হান্না শিলহৌদনা থবক খুং পায়কন্নবদি থবক অদু চংখোন্না পাংবা ঙমদে। অহনগী অমাংবনা চকু মেৎলৈ হায়রিবা অদুগী মরম করিনো। অঙাংন্না থবক তৌবদা পোৎথি শীজিন্নবা থৈনদে। অহন্নবু থবক অমা হৌজিনগদা থবক অদ, তৌবদা চংগদবা মতমদগী হেন্না পোৎথি তৌবদা লেম্লি, অমসুং মাহুনা থবক অদু মীগী মীনোক চংদনা নিংথিনা পাংবা ঙমনদে।

লাইবক অমসুং থবক

ঐখোয় মৈতৈ হায়বা অসি মুংঙাইবা য়ান্না হৈন্নবা জাৎনি; ঐখোয়না থবকী মহৈ অসি লাইবকনা থবকনগী হেন্না থাজবা পাম্মি। নোম্বা কনবা নহাকসু চাই, অতনবা ঐগী থায়াং অসিসু লাইনা য়াৎপনি হায়দুনা ঐখোয়না হেক মুংঙাইথোকপা ওম্মি। য়েংউ খুঙাং তোংবনা লোমলগা থাংউপ তোংবনা চারি। কালেনগী মুংশা, ইঙাগী নোং, বাকচিংগী উন পুন্নমক অসি থাংদুনা নামলবা কয়াসু থবকী মহৈ ফংবা ঙমদদুনা মাংলি, নোম্বা ঙাক্তনা করি তৌনগনি। অচ বৈবাং পরং বলম লাইবকনা কনানা নিংথৌগী সনা শঙ্গাইদা পোকলি, কনানা লাইরবগী উনাগী থাংগোক্তা পাকলি। লাইবকনা কনানা শেংপ চাবা পুন্নমক্তা মুংঙাইবগী মপু ওইরি, লাইবকনা কনানা মরাবা অপুন্নগী মথা পোম্দুনা লৈরি। লাইবকনা কনাগী তাইবংপানবগী লানফম অসিদা বচা-মও ংকন-পাজন্দুনা মায়পাকপগী থুবম ফংলরি। লাইবকনা কনানা অহুপ পাক-চাওরবা মালেম অসিদা চংনফম লৈরবা লৈফংলাগী মতৌগুম উদুনা অরা তেংথাজরি! মরাইথক ফবা কনানা নোম মোমদনা তফাবুলোপ কোক থেংনরুদুনা থাজিদা হায়বগুম পায়নানা পামরি। মরাইথক থীবা কনানা অরা অমা থংদনা অইং-অশা লাইদনা হকী উন্না শমলাং তৈনা নোমদুনসু অহোবা মনবা ওমলারি, যাদি করিনলো। মাদি পুন্নমক মুন্না থজুরবদি ঐখোয়সু থাজদবা ঙমদে।— অচ বৈবাং পরং বলম অদুন্না অসোয়বা নোংদম্বা বিধাতানা তাইবং মীগী লাইবক্তা য়েকুনা

[illegible]। নোংখম অমুক [illegible]। [illegible] কনাগী পুক্নিংদা হৈনিংবা [illegible]। ঐনা [illegible] [illegible] মচেং তুম্বা মচেং ওইনা নোমঙ্ঘুনগু চানিংবা নিংবা থুংত্রি, শেংনিংবা শেংগনি [illegible]। [illegible] লৈপাক তাদনা ঐগী থবকী মহৈ অহু চারি। করমনা ঐগী পুক্নিংদা হৈনিংবা পোকনি, মরম অসিনা [illegible] [illegible] লাইরিক [illegible] ঐনা করিগী [illegible]নিংঙবা।

মরম পূরক অসিনা, করে ঐখোয়না খোইহুম লাইগী নোংদগু থাজবহু তৌরোই, থাজকহু তৌরোই। তৌইগুমহুং ঐখোয়না হাবর্তি 'নোংদম্বা বিধাতানা ঐখোয় মূহ' তাইবংমীগী লাইবক্তা [illegible]। নহাক অসি ওসি চেং খুজোক অমতং [illegible] লৈই অদুদি ঐখোয়না থংবা ওম্বা থোক্তে। নহাক অসিমক হয়েং ললনলেমগী খোজান [illegible]মক মীগী 'খোং খোংদা কোয়না নিবা চৎলি। নং অসিমক হয়েং কনানা হায়বা ওমগনি।' নং অসি [illegible] [illegible] চাকনিবা চামগী চংনফম ওইরোই হায়বহু কনানা হায়বা ওমগনি। নং অসি [illegible] অনংবনি হায়হুনা মীনা উশিংঅদ্রি মতুংদা নংনা কলিদাস রত্নাকরগুম্বা পৃথিবীগী অশিংবা অপুনবী মকোক ওইরবহু কনানা থংগনি। নং ওসিদি অতোনবা জাত্তা পোক্তুনা মীনা নংবু [illegible] নপাহু অতোনবা থবক তৌহুনা মীগী ইকাই খুম্বা ফংবা ওমখিত্রে। কনানা থাজরবগে নহাকনা আমেরিকাগী তিম্নবা লৈপাক অপুনবগী প্রেসিডেন্ট হুতারগুম্বা লৈবাক অপুনবগী মপু ওইরগনি হায়বা অসে! অসুম্না নং ওসিদি মুংঙাইবা অপুনবগী মপু ওইহুনা লৈরি, চানবা পুকৈ চোল্লি, শেংনবা ফিরুক থল্লি, লন য়েংঙক্লি, হাস্তে, মী য়েংভি, নোংঙে চিম্বান্দা লেংবদা মী-চামনা খুং লোম্নরি। তৌইগুমহুং কনানা থংগনি, নহাক অসিমক হয়েং অঙাওবগী মতৌগুম চানবা ফংদা শেংনবা লৈত্তা লগীগী চাকনিবা ওইকদে হায়বা অসে। য়েংঙ্ক [illegible] রাবণনা কদাই, কৌরবকী দুর্য্যোধনা কদাই। খুদাক খুনম ওমবগুম্বা মীগী লাইবক্তা [illegible] করি [illegible] হায়বা অসি ঐখোয়না থংবা লৈত্রে। মাসিগী ঐখোয়না লাইবকনা [illegible] হায়না অসি থাকৈ। ঐনা [illegible] থংহুনহু থবক, থাদোক্লপা য়াদে হায়বা অসি থাকৈ, ঐগী ঐগী লাইবক্তা অসি অসি [illegible] হায়বা, অদুবু থংলমলরবদি, মাদুগী মতুং ইমা হোৎনবদুনা থবকী লম অসিদা য়াম্না লাইথোক্লপা য়ারম্নগদবনি।

অমুক লাইবক হায়বা অসি নোম্বদগী থোক্লকপনি। মৈতৈ লাইরিক্তা বরি হায়রি:—

[illegible] নোংদমখোনবু অমা কৈন্না লৈরম্মে। কুমার [illegible] মাকোক [illegible] [illegible] মচোম্নু মচোম শংলোই থোরাংজবদগী তোন্না মতিকমন মহৈ য়ানরম্মে। কৈজাং পোত্থী, [illegible] অঙৌবনা পোক্লাখোংনা, হৈনা চেন্না মপুক [illegible]। [illegible] [illegible] চানা [illegible] হৈনা চেন্না মপুক [illegible]। লম পোং ওইবদা য়ানা [illegible] [illegible] [illegible] নোংদম মহৈবু [illegible]। চুক্লিং লাইরে [illegible] [illegible] [illegible] নোংদম হায়রা মতোম্না অমা অমুক লৈতে। [illegible]

থবকী অতুংইদা মহৈশাক্তি। ঊশাংগী শক্তা উরোকনা মশাংনা তাকখিবে, তাদু খেরে চীনবাকপীন মটীঙ্গা চীঙাক লক্লি। অমাইংরিদি মানা শাঙা তৌজবা থবকী মহৈশা লাইবক মৌংকম ওইনে। অমুনা লাইরকসু তনবদু। মোথৌনী মহৈ মশানা লাইবক হায়বা তৌতাঙ্গা লৈতে। লৈরবসু নোংবা লাঙনা শাদু মতৌঙনা থোক্লমলদে।

ন সুপ্তস্য সিংহস্য প্রবিশন্তি মুখে মৃগাঃ

ঈশ্বর ভক্তি

তাইবংমীওইবনা অতৈগী রায়েন চংদনা মাখোয়বু তেংবানবগী অচৎ-চত্তা জীব পুম্নমকী মকোকনি হায়জরিবা অসিগী মরম কয়ি লৈবগে। ঐখোয় মীওইবনা তেংবানিবা মপুনা মাহাক্কী লীলাগী মরম ওইনবা শেম্বিরলবা মীওইবা নত্তনা জীব অতৈগী মরমদা খোইনা খংঙবা লৈত্রবসু ঐখোয়না জীব অতৈবু তোল্লবা জীধনি হায়রবগী মরম কয়ি লৈবগে। অওইবমক মাসিগী মরম খবা লৈ। জীব পুম্নমক অসি লামলগা চানবা পোৎ থি, খোয়রাংলগা থকনবা পোৎ ফংনবা লাকনে। তেংবানবা মপু ঈশ্বরনা জীবদা মচা হেক পীনবগী লোয়ননা মচা অত্তুদা পুংশিবগী অমৃতনা থিকপিরকই। অসিনচিংবা হিরম পুম্নমক অসি খন্দুনা য়েংঙরবদি লজিক শাস্ত্রদা হায়বগুম্না তাগদবা মরম অমা লৈ। মীওইবা হায়বসিসু জীব অমনি অদুনা মীওইবগীসু গুণ পুম্নমক অসি লৈবা তাক্কনি। অদু ওইরবদি মীওইবা জীব অতৈগা খেন্নবসি কদাইদনো। মহৌশাগী শকক্ক খেন্নবগুম্না অওইবমক খেন্নবা মরম থরা লৈ। খোজাম হৈরবা ঈশ্বরনা তাইবংমীবু তেংবানবগী অকনবা লানিকম অসি থেংনবা য়ানবা অশোনবা মাহাক্কী মশা কঞ্জবদা মতিক চাবা লৌশিং, বাখল, পোৎথিনচিংবা পীবিরকই। অসি পুম্নমক্কীসু মাহাকপু শেম্বিরকপা মপুবু কাউদবা হায়বা অসি মীওইবগী অথোইবা লন অমনি। ঐখোয়গী অতৈ হায়লিংঙাই লৈতে, ঐখোয়না জীব অতৈ খংবা লৈতে, মরম থরা অসিত্তনা ঐখোয়না জীব অতৈগী মরক্তা মীওইবা হায়বা মিংকম অসি ফংদুনা তেংবানবদা খ্বাইগী মকোক থংবা ঙম্মিবনি।

অওইবমক ঈশ্বর ভক্তি হায়বসি মীওইবগী খাদংনকম ওইবা অশেংবা লননি। য়েংউ, কোরেৎনবগী, অহানবা অশেক খরাদং হেক কংবাগী পোবী চেকলা পুম্নমকনা লমনাইগ্রবা মালংগী কোরকা কোরমা লাইরি। তৌইপুরুং মাখোয়দা থংবা লৈতে কর্মগী খোজাম্না মহৌশাগী লোইবা অরিবা পুরিকা রাইওইরবা তম্বা খুদোপ খজিবিদুনা মাখোয়গীদমক ওথমবা চিন্তাক লাংদুনা থজিরমিবা। অমাম্বা মমনাইব্রবা মাতাংদা মাখোয়বু সংজিংখিরিবা। বসন্ত ঋতু চংলকলে,

লৈরাং লৈরাং পাকী অপুম্বা অয়োম্বা য়েনিং হল্লে৹ লৈরাং পোথোম শাথলবা পাম্বেল উথৌরক্লা ফোয়ন্থনা কোয়িকিন্নলিংনা [illegible] খুহ খুহ থোংলকলে। লোইরী [illegible] তামমানা তম্লেংবা খোম্মোংনা হুপিবা কোয়ন্নাই শকলকলে। লৈপাকলেমনা মতমগী মতিক চাবা অনৌবা [illegible] লৈজেংহনা ভেংবানবগী পুক্লিং শুন্নাংলে। মেংলবা নাম্বিবা মলায়াগী মংশিংনা তাইবংপানবগী অম্বাবা মৈচাক মুৎনরে অহুম্বা থোগংলবা খোইমুশিং মমাংগী অরাবা পুন্নমক কাউথিহনা লৈরাংগী কোরোই য়েংহনা লৈনা জগোই শাররে। জীব পূন্নমক হুংঙাইবগী ঈপাক্তা তাউবা উনরে। তোইশুম্বমং হয়াওবনা ময়াই কাম্ববা জীব পুন্নমক অসিগী মরক্তা মীওইবা নত্তনা করম্বা জীবনা মাবু শেম্বিরকপা মপুগী তৌবা ওম্বা পাক্কল উহনা মিৎলুদা তৌবিমল খংবগী খুদম তয়ং লাইজা শিন্দহনা পেম্মবা ওম্বগে। থাজৈশেংনমক খল্লুবদা৹ ঐথোয়বু মীওইবনি হায়জবদা পুক্লিংদা হুংঙাইবা পোকই। অম্মুক্তা চিংথৈ ফিহুপ হল্লবা৹ কাকী লাম্বাও শীল্লবা চরোই তেহনা থোংলবা কোয়োহনবগী ভাংঙ্রানবা মশেকনা মালেম লৈমাই শীল্লবা থুংনা কুপল্লবা মতমদা তাইবংপানবগী মশীং নাইত্রবা লমদমদা মশীং নাইত্রবা জীবগী মরক্তা মশীং নাইত্রবা মীওইবনা মশীং নাইত্রবা থোক্কেম্মা মপুগী নাম শোম্মরি। অমুক হুমিং অহনা নোংচুপ চীংয়া হেক থাংখিবা৹ চীংয়া খেন্দোং লাংখিবা৹ তমম্মা কোরি চেনখিবা, কাউরেন শজ্ঞন হেক লোইনখিবদা তাইবংপানবগী মশিং লাকঙমত্রবা লাইশংদা সন্ধ্যাজ্ঞিগী হৌরবা থোক্কেম্মা মাইকৈতম্মামক নিম্মরি। মাসি ধর্ম্ম চেল্লবা হিন্দুদা নত্তে৹ কায়ত্রবা খৃষ্টানত্তনি হায়নম্থ নিংঙ্গম্ম, নিয়ম চেৎলবা মুসলামানবুতম্থ হায়বা নত্তে৹ পৃথিবীগী মফম পুন্নমক্তা লৈরম্বা মীওইরিবা ইচিন ইনাও পুন্নমক উরম্বগা অওইবমক পুক্লিংদা হুংঙাইবা পোকনি। মীওইরনা মাবু শেম্বিরকপা মপুবু কাওদহনা জীব পুন্নমক্কী তোঙান্না তাবা ওমলি। তোঙান্না তাবা হায়ত্রবম্থ জীব অপুম্বগী মকোক থোংজি হায়রবম্থ বাহৈগী অরানবা থোকলোই হায়না নিংঙি। ঐথোয়গী লাইবক ফবা মম্মমনা পীনহৈরবা তাইবংপানবগী মপুনা মীওইবদা ভক্তিগী মশক ওইরবা মনি মসি পীবিরমহনা মীওইবগী মপোক অসিদি নোংদম্বা ব্রহ্মামকীম্থ পোকঙমদবনি হায়বা অহুগী থাজৈশেংবা খুদম উৎপিরমলে।

ঈশ্বর ভক্তি হায়বসি মীওইবগী মহৌশাগী ওইবা অশেংবা লম্মি হায়বগীম্থ মম্মম লৈ। মাসি মীওইবগী মপোক নত্তনদি ফংকম লৈত্রে হায়বসিদি ঐথোয়না থংলে। তাইবংমীগী লাইবকফবা মম্মমনা পোকপদগী শা-উচেকী মহৌশাগী ওইবা লৌশিংগী মতৌশুম্মা মীওইবগা লোইননা লাক্লবনি। শিংলবা৹ হৌনবা থংলবা মীগী মতৌশুম্মা তোক্লবা পংলবা মীম্থ মহৈ মশিং লাইরিক লাইশু ইয়াঙ্গম্মাওদনা৹ ফনাগী থৌইনশিনম্থ নক্তনা মহৌশাগী মাবু শেম্মা ভেংবানবা [illegible] মপুক্লিংদা মতম অমদা [illegible] পোকই। নারক্তা লৈরাং [illegible] [illegible] মিৎনদি মহাকী নিংথিজবা অম্থ উবা ফমে। তোইশুম্বমং নাতোম্বা মাহাকী [illegible] মশক ওইরবা ফনম অদৃদি মাওদল্লা পুক্লিংবু লাংতকনহন্নি৹ [illegible] মাচংবদা [illegible] [illegible] [illegible] চংথোকই৹ নবগী হুক্লিং নাম্বিবনা লিরি লিরি পিংলি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] উত্রি । তৌইগুবনুং মাহাক্কী অইবা [illegible] ফাওদুনা পুক্নিং হকচাং অসি পেন্নরি [illegible] ঈশ্বর ভক্তি হায়বা অসিমু মীওইবগী [illegible] অসিগুম্বনি। মুনা [illegible] [illegible] [illegible] অহেন নাইখওয়া মকম খেন্নবা মতুইদা তুকম [illegible] মরমদা অথোই অহেন নাই হায়বত [illegible] কনানা মরম অমা ওইনা ক্রবগী মতৌগুম্না চহি মতাদা [illegible] ওকলবা মারক্তা অহিং [illegible] [illegible] লমগী হুংশিহৈতন্নবা শা—উচেক পুন্নমক্কী অকিবা [illegible] মাহাক্কা নিংজান্নবা ইন্নিবু কৌদুনা কপানি । কনানা ভক্তিমক্তনা মরম ওইদুনা প্রহ্লাদকী মতৌগুম মৈ, ঈশিং, চীং, সমুদ্র পুন্নমক অকিবা লৈতবা মাহাক্কী নিংজ্রুম ওইবা শ্রীহরিবু কৌদুনা মাহাক্কী পোকপা মহৈ য়ামখি। তৌইগুবনুং ঐখোয়না হুংডাইজবদি তেংবানবদা প্রোজলবা মীওইবনা ঈশ্বর ভক্তিগী য়ামত্রবনু মনম থরদং ফংগদুনা মখোয়না পৃথিবীদা লৈনা লৈনা অমরাবতীগী হুংডাইরবা মুক্তি অহু উবা ফংদুনা পেন্নরি। তৌইগুবনুং অহুমনদি ওইরগা অসিগুম্বা ভক্তি অসি মী পুন্নমক্কী থম্মোয়দা মতম অমতদা চপ মান্নবা পোকই হায়বদি নত্তে। মৈনা শীং, ই, নাপিমচিরেনা মরম ওইদুনা হৌরগা মমৈদা মীগী মিৎনা উবগুম, ঈশ্বর ভক্তি হায়বা অসিমু অকিবা অঙকপা, অরাবনচিংবা মরম অয়াম্বদগী পোক্লগা মমৈদা মীওইবগী থবাক হকচাং অপুন্নবু থুহুম চন্দ্রা হোই। তৌইগুবনুং খেন্নবদি ঈশ্বরভক্তি হায়বসি মতম পুন্নমক্তা মেন্না থাগী মেংলবা থাবনগী মতৌগুম্না মীবু তারুপা অমসুং থকখৎহনবা লৈতে। মাসি থাঙ্গৈশেংবমক অমৃতগী মশকনি।

[illegible]তেংবানবা অসিদা পাম্বৈ লৈত্রবা মীওইবগী চংনফমবু কদাইদনো, অয়াম খোয়াংবনা লমজাও—খোম্না চাকপা মৈগুম্না মীওইবগী থবাই হকচাং অপুন্নবু চাকলবা, মাং—তুং হয়া য়েংবদা হিংনবগী অতোপ্পা পাম্বৈ উমকত্রবা মতমদা কনানা মন্দাকিনীগী লুনা ইংলবা লাইজ অমৃত থিকপিদুনা চাকলবা থম্মোইবু ইংহনবিরিবা। কনানা মীওইবগী অরাবগী মরুমনা কুপলবা মকশিন্নবা মাইথোং উহনা হুংশিবগী খুদম ওইনা অরাবগী স্বর হোনবিবা নত্রগা হুংশিবগী বাহৈ অনি মরিদং ওাংনিংবা কনা য়াওবগে। ঐখোয়গী করি অমুক হায়নিংডাই লৈতে, অতোপ্পা খুমনিংডাই থংদে মীওইবগী থম্মোইনা মশানা মশাবু হুংশিবগী খোঞ্জেন্না কৌজত্রবা, অরাবদা চান্নবগী পাম্বোম তিংথোক্তুনা কোনবিত্রবদা তেংবানবগী অন্নাবা মৈচাকনা চাকলবদা ওলাংথাগী চন্দন থিকপা লৈরাংগুমনা [illegible] নৌবা থৌগৎপিত্রবদা করি য়েংহুনা, করি হুংডাইহুনা করি অপাম্বা অমা খন্দুনা মোংকমগী মৈথু মরক অসিদা হিংহুনা লৈনিংগদবা। নিংথৌরেনগী সনা কোম্নুং চাকনিরবগী লাইরক—থাংপোকপাং লাইমিংবগী তপোবন অসি পুন্নমক নত্তনা নংনা অপাম্বা মতুংইন্না তেংবানবগী মরুম খন্দুনা পুন্নমক য়েংউ পাম্বৈ লৈত্রবা তাইবং মীগী চংনফমবু মীওইবগী থম্মোইদা [illegible]। [illegible] কনাগীদমক [illegible] খৌরাংবা পুন্নমক কত্তিদুনা নোংমলোন পম্লোম লোয়না থাইথৎলিরা, সমুদ্র ঈথা ফংনা লুপলিনবা কনাগীদমক অমম্বা লোক্তা কুমহুনা কওঙমত্রবা য়াইবু তাম্নিরা, কনাগী মরমগীদমক [illegible] [illegible] চাংথাং কাম্বুনা হন্দুনা শিনহিদাক থিন্নিবা। অয়েম্বনি পুন্নমক অয়েম্বা ভাক্তনি, মীওইবগী পুন্নমক

অসিগী মরুবু মাহাকী থমোইতনি। হে বীণা! নংনা কলাশীলমক অরোয়বা স্বর নাপ্লদুনা সিংখিবা কোলোই শকলিবা। হে আশা! নংনা কল্যাশীলমক লুংঙাইবগী ঈচেল্না অকৌ অনৌবা ঈথক হৌইল্দুনা অঙাওবগী পান্দমগুম মীওইবগী পুক্লিংবু চোংহল্লিবা অমসুং নোংমাংক্লপঙমনা পুক্লিংবু মিকুপ খুদিংগী মমাই লৈহল্লিবা। অরেম্বনি পুন্নমক অরেম্বা ওাক্তনি। থমোইবু য়াওগ্রবদা মীওইবনা কল্লানো কলাগী কনা অমুক হায়কম লৈবগে। কুমগী কুমদম মতা য়োবনা য়েংউ, শরৎ খতুনা অনৌবা কিজেৎ লৈতেংহনা মাংলা থুংলরে। ওলাংবনা চাকল্লমল্লবা, জীর অপুয়া খতুগী অনৌবা থৌজান হেক ফংবদা ইংনরে। হে পুক্লিং অরেম্বনি, পুন্নমক অরেম্বনি হায়রহনা, কল্লিগী অবা তেংথানরিবা। শরৎখতুগী নিংথিবা রস পুন্নমক মিংলুদা প্রেমগী থারা শিন্দুনা চুপচহৌ। নংগী চংনফমবু মীওইবগী থমোইতনি। হে বসন্ত! লাও নহাকপু খতু অপুম্বগী নিংথৌনি হায়রসি কনানা হাপ্পলো! নাম্বিবা মলয়া মুংশিংস্থ লিল্লি লিল্লি শিংসল্লু হৈরাং লৈরাং অপুম্বস্থ মালংগী কৌয়োই খোংথাং গুনা জগোই শাসল্লু। খোইমু শাবা অমোমনা অনৌবা হৈনম লৈনম ফংহনা য়াকাইরোন শকসল্লু। থমোই পাল্লবা ঐখোয় মীওইবনা নিংথৌগী হৌনবা ব্যাবহার ঙাকনি। বমক মীওইবগী থমোই অসি তেংবানবদা ফংঙমল্লবা য়াইনি। ব্রহ্মাগী কমণ্ডলুদগী থৌজান, বা স্বর্গ মন্দাকিনীনা চেনথরকপগুম মাসিদগী মীওইবগী থৌজান, মুংশিবা অসিনচিংবা অফবা চন পুন্নমক চেম্বোরক্লুনা মীওইববু মীওইবদা মতিক চাহল্লি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়গী লাইবক দ—থমোই য়াওদবা মীদি তেংবানবদা উত্রি, লৈরবস্থ মাহাকী মপোক অহু অরেম্বনি। মথক্তা ঈশ্বর ভক্তি হায়বসি মীওইবগী অথোইবা পক্লেত্রি। অবাবগী লৈচিম্না মাইকৈ তম্রামক বা মাং—তুং য়েংবদা কনা পাম্বৈ অমা থিবা ফংগ্রবা মতমদস্থ নত্রগা মুংঙাইবগী ঈপাক্তা নীবা ঈথক্লা হৌরক্লবা মতমদস্থ মতম পুন্নমক্তা মীওইবনা ঈশ্বর ভক্তিগী ইংলবা অমৃত থকচবা না তেংবানবগী অরাম থৌরাংবা কাওনরি। অওইবমক মীওইবগী থমোইবু থাগৎপসি য়াম্ব ত্রি, মরমদি লাইবক ফবা মরমনা ঈশ্বর ভক্তিনা ঐখোয় মীওইবগী থমোই পেলফম ওইল্লি।

মরম পুন্নমক অসিনা ঐখোয়না থংই, ঈশ্বরভক্তি হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী মহৌশাগী ওইবা গদবা অমনি। অহুমক নত্রগা ঐখোয়গী মহৌশাগী ওইবা বাখল অমসুং লৌশিংনা ঐখোয়দা কই— ইবুংঙো মাহাকী থৌজাল্লা ঐখোয়না তাইবংপানবা অসিদা পোক্লুনা অমসুং হিংহনু ঐখোয়বু ওইনা পানবদা মতিক চাবা পুন্নমক পীবিরিবা তেংবানবগী মপু ওইবা ঈশ্বর অম্বগী খুয়াদা ঐখোয় ল্লবা মীওইবনা অতৈমক ওনত্রবস্থ ভক্তিগী লৈরাং মথৌদা কচ্চবদি ঐখোয়সি তৌগদবনি মরমদি, গী মরক্তা ঐখোয় মীওইবনা তোংঙানবা পুক্লিংফম থরা ফংবসি ঐখোয়গী তোঙানবা পুকচেল থরলীমফমনি। মরমদি তৌবিরিবা হায়বদি ঐগী কান্নবা তৌবিরিবা কনাগুম্বগীদমক ঐনা করিগুম্বা কান্নবা অমা হায়া তৌবিবদি লাই। তৌইগুম্বসুং নংগী পোৎ লৌহনা নংঙোন্দা পীরগা নংগী খোইনা পেল্লফম থোকপগে। প্রমান পাম্বৈ, রাহেগী লাং পুন্নমক থাহোক্লুনা হায়রবদা মকাক্লু

শাংজিবা লৈরাং পামেলথক্তা মাখিন্না অয়ুতনা থব্রবা চৈরাং পুন্নমক অসি ঐ, নং অমসুং মাহাক কনাগীনো ঈশ্বরদা পুন্নমকপু শেখিরম্মিবা ইবুংঙো মাঙোন্দা ভক্তি লৈতবা মী অহুদি অমত্রোমদা হরানবগুমনি। ইবুংঙো মাহাক্কী পোং হরানুহুনা ইবুংঙো মাঙোন্দা কংপগী করি অতোইবা গুণ অমা লৈরমকম থোকপগে হায়বা ঐখোয়না খংদে মরুদি ভক্তিতন্নি।

পত্রং পুষ্পং ফলং তোয়ং যো মে ভক্ত্যা প্রযচ্ছতি
তদহং ভক্ত্যপহৃত মশ্নামি প্রযতুন:।

তৌইগুমন্নং ঐখোয়না বাবদি মতম অসিদা মতমগী ঈরৈনা ওইরবস্থ অমনা ওইরবস্থ ঐখোয়গী য়োইহেনবা তানখংলিবা হাত্রনচিংবা অয়াম্বনা মাসি তাম্লিংদে। নত্রগা তৃতীয়নাজ্জিতং পুন্যম্ হায়বা নীতি শাস্ত্রগী বা লৌহুনা নত্রগা হৌজিক্কী কান্নবা ব্রা (Utility) গী মতুং—ইমা ঈশ্বর ভক্তি অসি কয়া থৌশানদবগী খুদম উবা ফংই। তৌইগুমন্নং শ্রীমদ্ভাগবত্তা প্রহ্লাদনা করি হায়খি। হিংচাবগী শাগৈদা পোকলবা হে ইচিন ইনাওশা! মতম পুন্নমক অসি ঈশ্বর নিংবগী মত্তিক চাবা ঙাক্তনি। নহা ওইরিঙৈদা মীওইবগী থমোইদ থাগ্রবা ভক্তিগী পাম্বী অহূতনা তুংদা মপুং ফারক্তনা মীওইববু অরান খুভম ফংবা ঙমহল্লি। অহুগা ঈশ্বরভক্তি তৌবদা অবাবগী অরুগী করি খুদম লৈবগে হায়বা ঐখোয়না খংদে। মথক্তনা হায়গ্রে— ঈশ্বর ভক্তি হায়বা অসি ঐখোয় মীওইবগী থমোইগী পোংথানফমনি, তেংবানবগী অবাবগী মৈচাকনা চাক্কলবা তাইবংমীদা মন্দাকিনীগী ঈংলবা অমৃতগী মশকন্নি।

ইবা হৌগ্রবা লোইনিংত্রবা ঈশ্বরভক্তিগী বা অসি ঐখোয়না বাহৈ মডাতরাদং হায়রুহুনা পঙ্ককফম পীজরগে। ঈশ্বরভক্তি হায়বা অসি থাঙ্গৈশেংনা স্পর্শমণিগী মশকনি। ঈশ্বরদা ভক্তি লৈবা মীতনা তেংবানবদা পোকলবা মীওইবগী থাগৎনফম ওইরবা থৌজান মুংশিবনচিংবা অমেংবা পুকচেন পুন্নমক্কী মপু ওইহুনা তাইবংপানবদা মীওইবগী মত্তিক চাবা খুভম ফংবা ঙমনৈ। ঐখোয় হিন্দু হায়বা জাৎ অসিনা ধর্ম্মবু কিবনা শোল্লবমক্তদা পৃথিবীদা অথোইবনি হায়হুনা ঐখোয়না নিংজরি অমসুং অতৈনা থাগৎপিন্নি। অহুনা ঈশ্বরভক্তি ৱাংলবদি ঐখোয়গী জাতিগী ময়েং তাবনি হায়বা অসি ঐখোয়না থাজদবা ঙমদে। মরম পুন্নমক অসিনা থমোই লকা মহুংদা মতম পুন্নমক্তা ভক্তিগী পুক্লিং মশক শকফবু য়েক্তনা অয়াম্বা সংসারগী পাপ অমসুং মৈচাক্তগী কোকপা অমসুং মইংবা খুভম ফংনবা লাকননি।

সর্ব্বধর্ম্মান্ পরিত্যজ্য মামেকং শরণং ব্রজ।
অহং ত্বাং সর্ব্বপাপেভ্যো মোক্ষয়িষ্যামি মা শুচঃ।

শিনফম ওন্নবা

উনবী পুক্লিং লোংবা থৌরম্না য়াবদি মতম পাঙল লাংনা কোইথুনেএ।

অওইবমক লম্ফাংলথা তাইবংপানবা অসিদা ঐখোয় মীওইবনা চংকদবা লম্বী থনবা আ খরদা নত্তে য়াম্না জুইশ অম্মম অসিমক্তনমক্তু অরাম্বনা থেরবা মাইকনা য়োইহেনবা পামলবঃ ময়ক্তা লম্ক্রক্তনা অনৌবা আশানা খল্লবা তেংবাঙবদা নিংবা কারবগী তেংথারোন শকপা তাই ঐখোয় মৈতৈগী শিনফম ওন্নবা হায়বা বাহে অসিগী ময়মদি য়াসিন্নুগী পোকপনি হায়বা অ খোইনা লান্নগনি হায়না নিংদবা য়াবা ময়মমক্তু লৈ। কল্লিনা ওন্নবা ময়ম, লৌশীংনা পৈরবা তেংবানবদ কম্না উনবী পুক্লিং লোংদুনা য়াগনি। করমনা থৌরম্না য়ামদবা য়াগনি, অহুগী মথক্তা অমু মৈরানবীগী পুক্লিগী তেল্লবা মীওইবগী মপোক অসিদা মতম পাঙল লাংনা কোইথুনদুনা য়াগ্রা থাক্লেংনমক তেংবানবা শেম্বা মপুনা কনাবু কল্লিগীদমক থারকইবনো, তেংবানবগী লীলাগ কম্বাক্তা কনাবু করি লীলা উৎলুনবা শীল্লকইবনো হায়বা থংবা অসি নত্রগা থংনবা লাকুবা অ ঐখোয় মীওইবগী তৌদবা য়াত্রবা তৌবদা লুরবা শিনফম অমনি।

কনাবু লানবা হায়গনি মংমু মুপামচা ওইবগী হৌদবা পুং ইশং, লাইহিক, থাং, ত খথং খথং পরিক্ষা তৌদুনা য়েংলে; নং অমমু মুপী মচা ওইবগী হৌনবা ফিরোন ফিরিব ফিশা লোনশাবা পুন্নমক মথং মথং হোৎনদুনা য়েংলে; তৌইগুম্বসুং পুন্নমক অমতদমু মীশামন ওমদ্রি। ময়ম অহুনা নংনা তেংবানবগী লানফম অসিদা মাইথীবা ফংদুনা নিংবা কাম্নবগী মুংশাম হোল্লি। অহুনা মতমগী জুকনবা ঈরৈনা নিংবা পুন্নমক থাদোকুনা অশিবগুম খোং-থুং পুন্ন ভিংথোকুনা তাওথদনা থেংঙবা মফমদা থেংঙগনি, তাক্লবা মফমদা তারুগনি হায়বসু হায়বা য়াদে কল্লিনা মৈ, ঈশিংনচিংবা পোৎ নত্রগা মিং নাকোংনচিংবা ইন্দ্রি পুন্নমক অসিগী কান্নবা অকন্ন অমমম লৈবগুম, মীওইবগী হিংদুনা পানবগী পাঙল অসিগীসু অকন্নবা মৈরমগনি হায়বা অ থনফমমক থোকই। হুম্মিৎনা কোকতোন লোম্বদা ভিক্ষা মুষ্টি অমতং ফংনবগীদমক থোং থো কোয়না চৎলিবা চাকনিবা অসি, নত্রগা তেরা মোম্পাক মথক্তা অবা-পোৎথোকওমত্রবা, ম চামনা য়াকা ঙাইদুনা লৈরিবা ইনাক খুনবা অসি, পুন্নমকীদমক মীওইবগী পন্জি হায়বা অসি অঙা শাম্নবগুম অরেম্বা নত্তে। বুদ্ধ রাম, চৈতন্য, কালিদাস, সেক্সপিয়র অসিনচিংবা অটৌ অচৌ মহাপুরুষ পুন্নমক অসিনা মাহাক মাহাক্কী মপন্জিদা মাগী মাগী তৌগদবা শিনফম পাংথোক্ল পোকপগী মহৈ য়ান্নখ্রি। ঐসু মাথোইগুম্বা তেংবানিবনি পোল্লকে তেংবানবা শেম্বা মপনী এ অমদি ওইরবসু ঐখুদি কনানসু খংবিখ্রি, কনানসু ঐখু "মীনি হায়দুনা" খঙনা ইকাই খুম্নবগী থুং অমতসু পীরখ্রি। অহুনা ঐগী পন্জি অসিদি অরেম্বনি হায়বা খনদুনা অহানবমক্তগী তা ঈশাক অসিদা নৌ থাদুনা তাওখবদি পামফম থোক্কে। কল্লিনা ঈশিং মরিক অমতং তে

মহৌশাগী প্রোসনগী, মথা, পোৎলম, শিংকপগী পিরবা মীক য়েংবা মপুগী নিয়ম ফাদুনা চংশবা ভাইবংপানবা অসিনা শৌসাংবা লোইনাইদ্রবা চাওখৎলেরবা মীওইবগুম্বা জীবনা তেংবারক্নগী লৌশিং শংদা হুরানবগুম থোংবা ওকয়খেবা লৌৎশিল্লমলগা হনখিগনি হায়না নিংঙবদি বাখলনা লানকম থোকপহৌ য়াই।

৫০ অওইবমক এথোয় মীওইবা অপুবগী অককনবা লক্ষ্য অমমম লৈ হায়বা অসি অচুম্বমকনি। তৌইগুমদ্রুং য়াসি অপাম্বগী ওাক্তা থোকপনি হায়না নিংবদি কনা অচুম্বা লৈহনহৌ অয়ানবা য়াওনবাদ নত্তে। মরমদি অপাম্বনা এগী পুন্সিগী পাক্কনবা থবক্তা লময়ানবদা তেংবাংনৈ হায়বদি অয়ানবা নত্তে। মহৌইগুমদ্রুং মহৌশাগী পাক্কন অদুগা লমচৎ অমম্হুং বাখল নত্রগা পোৎথিগী ফিবম অওইবা ফংবগী লেপলবা শিন অহু পুন্সিগী অপাম্বা অতৈ অতৈগা লোইন-লোইননা পাংথোক্কবা, লাক্কবা অসি মীওইবগী-অনি লোংরবা তংকনবা লম্বীনি। মহুত্তা মীওইবগী হুংঙাইবনি, মীওইবগী পোকপা মহৈ য়ামরিবনি। নত্রবদি এথোয়গী শিনফম ওমবা হায়বা বাহৈ অসি তাহনা নশাইদ্র কায়না, মীঙোন্দহু চম্মনা মীমাং কম্মা তানদ্রি। শিনফম ওমবা হায়বা বাহৈ অসি হৌজিক্তা অয়াম্বা ফাগি জুগাইগী বাহৈ ওইনা পুকচেল অয়াংবগী মরমদা চংমখে। তৌইগুমদ্রুং য়াসি মীপোক মীহিংবা ওম্বা অরুবা লাইবাগুম্বনি হায়বা অসি অয়াম্বনা থক্ত্রে। অথনবা থরম্ম মকম পাকল লাংদা শোইবা য়াত্রবা মীওইবগী মিংফম হোংদুনা মাগী পাম্বমকম অহুবু কাওথোকনৈ। মতুংদা চাং লীশীং কয়া য়েংলবদা, মতমগী অরুনবা ঈরৈনা হনগৎপিরম্বা মফম অহুদা ফমদুনা, অবায়গী চংশাশোয়গা লোয়ননা লিংবা কায়বগী তেংথায়োন শকপা তারে।

প্রমান অমদা— ঈশৈ শকপবা নঙোন্দা এনা *ভত্রগী লাইয়েক্কবা তুলি পীরদুনা কয়ি কায়কম লেগনি। মতমগী ঈরৈ নত্রগা থোইদোকপা থোদোক থরগী থোইনশিন্না নংনা পাম্বামথেদি ওম্বা য়াই, তৌইগুমদ্রুং মাদুনা এহাক নহাক নত্রগা কনাগী কায়কম ওইবা য়ায়গদগে। নোংদম্বা বেধিনা নংবু কোকিলগী মঙাগুম্বা খোম্বোংবু ওমজবা মুংশিবা থৌনাও পীদুনা ভাইবং পুন্সিং ওক্মংনবা থারক্নি। অদুগা নংনা মাহু কাওথোক্লুনা তুলি অমম্হুং হিদাক মচু শেমদুনা লৈরবদি নঙোন্দহু কয়া মুংঙাইফম ওইরগনি; অদুগা মাদুনা কনাগী পেয়কম ওইরগনি, বিধিব্রহ্মা নোংদম্বনা নংবু কালিদাসগুম্বা নংগী জাৎকী সাহিত্য চাওখৎনবা লাক্লদুনা নংগী জাৎ অমম্হুং নরৈপাকী চাওখৎপগী লম্বী শেংনবা থারকলে; অদুগা নংনাদি মাহু খংদদুনা নত্রগা খংঙবহৌ থৌশাদনা দাকানগী হিসাব ওদুনা লৈথোকলে। মাদুনা নংগী হিরম অনিমক্তা মাংদুনা কয়া মমৈদা লমক্লদুনা মাঙঙোইদগে। থম্ম, শঙ্করাচার্য্য অমম্হুং চৈতন্যদেবনা অচুম্বা অমম্হুং ভক্তিগী অমৃত থক্লুনা লমজাওথোয়া চাক্কবা ভাইবং মৈচাক মুংপিনবা লাক্লদনা নেপোলিয়ান বোনাপার্টগী থাংশাং

[* মৈতৈ অপুম্বা কাওদবনা চুম্বা লাইয়েকপা ওবা অমগী মমিং]

পাময়ক্লবদি মথাগি অমসুং তাইবংপানবগী কাঁদ কাংলা থৌজাবি মরম পুরক অনিমা ইমা পুক্লিং লোংবা মাম মাগী তৌগীবা থংহনবা মহ শাংনবা লাক্লবা মীওইবগী লাক্লবনি।

তোইগুবমসুং অবাবদি মাহ থোজহনা অয়াম্বা তাংলবা পুন্দি অসি অয়েখদা মাংকদি। অহনা অয়াখনা লোংলবা বিধিমক্লা কংওমত্রে হায়বা মীওইবগী মপোক অসি অয়াখনা পুওমত্রবা পোক্লুবক্তা থোক্লি। চানবা পুন্নে চোক্লি, শেখনবা কৌক থক্লি কল য়েংই থাংডে, শীয়েংই নোথে। তোইগুবমসুং মাথোইগী মপুক্লিংদা হৈনিংবা অমতা পোকক্লি। পোথী চেক্লাশিংগী অরুভ চেনবা কোলোই লৈতনে থংলবা কবিশিংগী নিংথিবা লৈপয়েং; অবামৈচাক থংজিবা মথোক কারকপাং পাথংশিংগী হায়াও কুন্নে; চুংশিংবংবা কনাগা মাহাক্কী চাসথোইবী কনাগী মাশাটিবগী তাংনবা চুংশি। কোজনা; পুরক অসি মথং মথং চাং য়েংলে; তৌপিগুবসুংদি হিয়ম অমতম্ম চুওাইবগী মশক উৎহনা পুন্দিন অয়েখদগী হায়হনা লেপমদ্রি। অয়ুক ওইরম্মি; অয়ুকী চুংওাইবগী থৌরম চামনা তাইবং ঈচেলা চেহজে অংদি চুওাইবগী করবা মশক অমতং ওকহৌবা উমত্রা। অয়ুক অহু হৌখিহনা চুমিং চীমা থাংজে; তময়া কোরি চেন্নে, চুওাইবগী লৈরাং চামনা মতমচাকা উহনা ক্রুগাইমা শাথলে। নংদি করবা শীংতেন অমতং হেকহৌবা ফজদ্রা। অহিং তাংজাক অথেলেক্না মহী চেনবা থাবমগী ঈচেলপা লোইননা অমুতগী ঈথক হৌরি। কদাই নংদি অমুতগী মখিক অমতং লৈতোপ্পা তংজবা থংহৌবয়া। নত্তে পুরক অয়েখা তাক্কনি। ওলাংথাগী চাক্লবা থাবী মৈরীনা থমোইদকং য়োক্লা চাকুথা লৈরবদা করয়া মপানগী থসত্তগী নাথিবা চুংশিথরা ঈংহনবা ওমগদি। মপুরা মংগী চুংওাইবগী লথী অমা পাকনা শেমহনা থম্বিরি, নংমা মাতৌ চহত্রাগী কুমগী লেখেনা চাকথবা মন্ডংগা তৌরকপা অনৌবা তুম্নৌ ময়ক্তা নশানা পামহনা চংলি। করয়া চুংওাইবা বংগনি। ঐখোয় অতে থংদে, ঐখোয়গী অতোপ্পা হায়নিংওাই অমসু লৈতে। মাসিগী মরুওইবা অর্থ মতম লৈরিওৈদা চেকশিংদো বাখলগী চুংশিবা মশক উহনা তাংগহ। মমাইরকথীবা কনাদা অসিগুম্বা ফত্তবা দুশা হেক থোকপদা মহৌশা হায়বী লাইরেম্বীনা থোক্লেন থোক্লবা বাহৈনা লাউত্রি—চেকশিন্নু তৌশিংগা লোইননা পোংথি শীজিমহনথ শিরোং য়েংবা কাউগহ। নত্তহনা মপুগী শিনশংদা শিনফম ওময়বদি অবাবদা তাগনি। নংনা মতমগী তোৰ্কাম্বা নথোং নখুং তিংথোক্লনা তেংথাবা উরগা থোজান হৈয়বী মহৌশা নংগী বাকয়া হাবিহনা মেংলবা বাহৈনা থেমুজিদ্রি। —চেকশিন্নু লমকাংলবা মালথা লম্বক্লনবা, ক্যাকৌ নত্রবদি, তাইবং নাম্রক অসিদা তাবিনবা লৈকনা অত্রুবদা তেংথাহনা নপুন্দি অহুগী কামকম থংজাই।

ন্যাংপোকথংবা ভারত অমসুং মণিপুর

হৌজিকা মতম অসিদা ঐখোয়গী নোংপোক থংবা ভারত হায়বদি নোংপোক থংবা বাঙালা, আসাম অমসুং হৌজিকা মণিপুর অসিনি। অমসুং মথংনা অরাপ্পা মফম অসি পাণ্ডবনা য়োন্নবা আর্য্যাশিংনা খুন্দাবা য়োন্নবা অজদি অনার্য্যশিং অসেংবা লৈবাক হায়দুনা নিংনথুনা খুদিংমক নোংকম ওইনরে। তৌইদুনা মাখোয়না লৌখি হায়দুনা ঐখোয়গী লাকপ চাওবা পণ্ডিত অমাগী খোইনা বাকতম লৈত্রবনি মখোয়গী মরমদা। উগে হায়রবদি অচুম্বা খুন্দাবদি য়াদবনা ঐখোয়না শাস্ত্রগী উকবা অমসুং ভারবা মরম থরনা খুংগাই ওইদুনা মাখোয়দা হায়রিবা। অদুগী চিনথক পাউমৎ মতাতরাদং খুমলুবদি অচুম্বা নত্তনা অরানবা ওইগনি হায়রকা নিংদে।

অওইবমক ঐখোয়গী লৈপাক অসি থাইনা মমাংদগী আর্য্যগী মতিক চাওরবা নিংথৌশিংনা পাল্লমলবা লৈপাক্নি। শ্রীমদ্ভাগবততা করি হায়রি—

> ততো হোমোদৃথ সুতপা, বলি: সুতপসোহভবৎ
>
> অঙ্গ বঙ্গ কলিঙ্গাদ্যা শুহ্ম পুণ্ড্রৌড্র [illegible]
>
> জজ্ঞিরে দীর্ঘতমসো বলে: ক্ষেত্রে [illegible]
>
> চক্রু স্বনাম্নাবিষয়ান্ বড়িমান্ প্রাচ্যকাংশ্চতে।

মহারাজ দশরথনা পানবগী মমাংদনা প্রাচ্য ভারতা বলি মহারাজগী ক্ষেত্রদা পোকপা অঙ্গ, বঙ্গ, বলি, শুহ্ম, পৌণ্ড্র অমসুং ওড্র হায়বা মচা তরুক্তা মাখোয় মাখোয়গী মমিং মতুংইন্না খোনবা লৈপাক তরুক্তা নিংথৌ ওইদুনা পানখি হায়বা অসি ঐখোয়না খংই। মতুংদা অঙ্গগী খুংগংদা পোকলবা চিত্ররথ নত্রগা রোমপাদ মহারাজদা অযোধ্যাগী নিংথৌ মহারাজ দশরথনা মচা নুপী অমা পীরবা মরুপকী মতৌগুম্না মচা ওইজো হায়দুনা পীখি। রোমপাদ মহারাজনা মতম কুইনা মচা পোক্তবদা লৈবাকী অহে অশিংবা ব্রাহ্মণশিংনা তাকতুনা ঋষ্যশৃঙ্গ মুনিবু অঙ্গ দেশদা কৌদুনা পুত্রেষ্টি যাগ যজ্ঞ তৌখি। অসিনচিংবা বারম পুরমক অসি পারকপগী মতম অদুগী অঙ্গ দেশতা ব্রাহ্মণশিং [illegible] অমসুং আর্য্য ব্রাহ্মণশিংনা খুন্দাবা অঙ্গ লৈপাক য়োথি হায়বসি লায়না খংবা ঙমই। [illegible]ংশ অসিদা পোক্লবা নিংথৌ অধিরথনা কুন্তীনা কোম্রিগী চঙ্গদা হাপত্রবা মচানুপা কর্ণবু গঙ্গাদগী [illegible]খি। কর্ণনা পানবা মতমদগী অঙ্গদেশ অসিদদি মহাভারত পাবা মী খুদিংমক খংকদৌরকই।

রামায়ণগী মমাংদদা অঙ্গদেশদা আর্য্যশিংদা খুন্দাবা হৌরে হায়বসি মহাভারত, রামায়ণ, [illegible] পুরাণ, মহাপুরাণ অসি পারগা খংবা [illegible] চাওবংপা চাদগী [illegible] ওইরবা আর্য্যশিংনা [illegible] শংলখাদ্‌ লুরবা [illegible] চোনবা। তুম্রেম খিবিক্তা লৈতেংলবা [illegible] হায়বা অসিদু [illegible] বাথকলা লাইবা [illegible] অওইবমক বঙ্গ হায়বা নিংথৌ

অসিদু মরাগা অকপী মুতোওখা মাহাক্না পানবা লৈপাক্তা আর্য্যী হৌনবীনচিংবু [illegible] পুম্নমক [illegible] হাই হায়বা অসিসু [illegible] থোইনা লানবা থোক্তনি হায়বা নিংঙে। [illegible] অর্জ্জুননা তীর্থ চৎলকপা কাপা [illegible] [illegible] লৈরবা তীর্থ পুম্নমক্তা কংখি হায়। [illegible] [illegible] [illegible] অহুগী মঙ্গাংলনা, বঙ্গদেশকসু [illegible] [illegible] অসি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] তীর্থশিং মাহাক্না [illegible] [illegible] বৈদিক অসিনা বাঙালীশিংবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নিংঙে। মৌইগুমসু মহাভারতকী মতমদি বাঙালীশিংসু [illegible] [illegible] পাঙনবা [illegible] অমা [illegible]। [illegible] মতম অহুগী কনটৈরবা ভারতকী নিংথৌ [illegible] [illegible] বাঙালী নিংথৌ [illegible] দুর্য্যোধনগী কার্তন [illegible] কুরুক্ষেত্রগী লান [illegible]। মহাভারতকী [illegible] [illegible] মতম মতম থুদিংদা ঐথোয়না বাঙালী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] ঐথোয়না ভারতকী আর্য্যশিংবু ভারতবর্ষ নত্তনা মতম অতৈ [illegible] হায়না নিংবসু লাক্তি। ভারতকী অতৈবা নিংথৌরেন ভারতনা দিগ্বিজয় চৎপদা ভারতবর্ষদা নত্তবা লৈপাক অরাপ অরাপ্পা ভারতকী রাংমা লাম্না লৈবা লৈপাক পুম্নমক য়ৌথিমাক্লে হায়না নিংই। শ্রীমদ্ভাগবতকা করি হায়রি।

কিরাত, হূনন, [illegible] পৌণ্ড্র [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

অহুগা অর্জ্জুননা যুধিষ্ঠির মাহারাজকী রাজসূয় যজ্ঞদা দিগ্বিজয় চৎপসি মধ্য এশিয় , সাইবেরিয়া, চীন, মঙ্গোলিয়া মথাং অসি থুংনা চৎলম্মি হায়বসি পণ্ডিতশিংনা ককনাই লৈরবা প্রমাণগা লোইননা উংলি। হৌজিক্তা পণ্ডিতশিংনা মধ্য এশিয়াদা হিন্দু আর্য্যশিংনা পানরবগী প্রমাণ পুম্নমক শংলোকখিবা অসিদা থোইনা থাজকম লৈতে। অসুম্না বঙ্গদেশগী আর্য্যশিংসু লৈপাক লৈপাক চৎতুনা মাখোয়গী থুংকন পাঙনবা উংখি। বাঙালী নিংথৌ [illegible] অমনা লঙ্কা দ্বীপতা চৎতুন পানখিবা বাঙালী আর্য্যশিংনা কামরূপ অমসুং মণিপুরদ চিংবদা চৎতুনা [illegible]। বাঙালী আর্য্যশিংনা ব্রহ্মদেশ, শ্যামনচিংবা লৈপাক্তা চৎতুনা আর্য্যসভ্যতা হৌনবী লৌকনচিংবা শংলোকখি।

পৌণ্ড্র হায়বদি অথাংথংবা বাঙালা অসিসু মহাভারতকী মতমদা [illegible] থুংকন পাঙলমই। মহাভারতকী কাপা কলিঙ্গ লৈপাক অসিদি অর্জুনবা নিংথৌ পুম্নমকী দুচিংবনি হায়না [illegible] মহাভারত ভীষ্মপর্বদা কলিঙ্গ নিংথৌনা [illegible] চায়গী শোকনবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অহুগ মহারাজা [illegible] নিংথৌদি [illegible] [illegible] [illegible] নিংঙমক [illegible]। মৌইগুমসু মতম অ কাপা [illegible] লৈপাক্তা ব্রাহ্মণ্যধর্ম [illegible] অসিদি মগুং [illegible] [illegible] প্রমাণ মহাভারতকী অশ্বমেধপর্বদা [illegible] [illegible]। মৌইগুমসু মতম অহুগা ঐথোক্তবী [illegible] অসিদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুম্নমসু [illegible] লৈতেনা, [illegible] [illegible] [illegible] লা

লোইরবদা মশীং নাইত্রবা ত্রাহ্মান্দা ষণবী দান তৌবা অসি উবা ফংলি। মতম অহুদা কামরূপ ফাওবা ব্রহ্মণ্যধর্ম্মদগী হেন্দেকন্না বৈষ্ণবধর্ম্ম ফাওবা তৌখিরম্মে হায়বস্থ ভগদত্ত, ব্রজত্তনচিংবগী বা তারগা থাজদবা ওমদে। থাইনা মমাংদা আর্য্যশিংনা মাখোইগী হৌনবা খংবগী লীচংনচিংবা অহু ব্রহ্মদেশ, শ্যামনচিংবা মফমদা শন্দোকখি। হায়রিবা অসি হৌজিক্তা থ্বাইনা অয়েংপা য়াওদনা থাজনরবা বানি। অহুনা হৌজিক্তী মণিপুর লৈপাক অসি মফম পুন্নমক অসিদা চংনবগী থোং ওইরম্মি হায়হুনা পণ্ডিতশিংনা হায়বা অদদা থোইনা থাজদকমস্থ লৈতে। আর্য্যশিংনা মতম অমদা মণিপুরদা লম্বী ওইনা ব্রহ্মা, চীন লৈপাক্তা মুগা পট্টবস্ত্রগী লল্লোনবগী থবক তৌরম্মি অমসুং মাসিদা মরক মরক্তা চান্নবা কুইনা নত্রগা কান্নগদবা মতম মখৈ লেনখিরম্মি হায়বা অসিস্থ মথাজবা য়াবা বানি। অওইবমক মণিপুরগী সভ্যতা অসি ওরাংদগী নত্তে হায়বা অসি থাজদবা য়াদবা মরম ওাক্তা ওায়। মরম অসিনা হৌজিক্তা ঐখোয়গী নোংপোক্কী ভারত অসি থ্বাইনা খংবিত্রবা লৈপাক ওইনা লৈবা তারবস্থ মমাংঙৈদগীদি হৌনবা খংবগী মওান্না ওাল্লম্মি হায়না খজহুনা ঐখোয়না ঐখোয় মশেল মুংওাইজবমখৈ ওম্মি।

THE END

কোওয়বা লাইরিকনি : অহানবা খুৎনম (First Edition) খি খুঃ ১৯০২ ইংদা

খাইনগী লৈরাং

বাখলগী ইচেল, বাখল, কিদম, কাঞবা বা অমসুং হাত্রমচানচিংবা লেংবা
শ্রীখ্বাইরাকপম চাওবা সিংহ

Third Edition
1956

Printed at

The Government Press, Manipur.
IMPHAL

ৱাহৌদোক

ঐখোয়না মৈতৈলোন্দা [illegible] ([illegible]) [illegible]দা বাঙ্গালা অমসুং ইংরাজীগী হৌনবী মতুংইন্না হোৎনবদা মফম অয়াম্বদা মহৈ য়ানবা ঙমদে। করিগুম্বদা য়াম্না ফজবস্থ য়াওই; তৌইগুম্বসুং মাত্তনস্থ মতম অয়াম্বদা পেন্নফম ওইরদে হায়বা উজহুনা ঐনা মৈতৈগী কবিতাগী চৎনরম্বা হৌনবীগী মরমদা খরদং থিনবা হোৎনজে। লাইরিক মচা অসিদা য়াওরিবা কবিতাগী শৈরেংনচিংবা হিন্নম পুন্নমক মৈতৈ লাইরিক থীবা হায়রবা ওজা, পেনাশকপা ওজা, খোংজোমপর্ব্ব শকপা ওজা, থাবন চোংবীগী ওজা অমসুং মৈতৈগী চৎনরম্বা ইশৈদগী থোকপা ঙাক্তনি হায়রিবা খরদং খন্থবদা '[illegible]' [illegible] [illegible]। [illegible] শৈরেং "[illegible] লেংজবা হোৎনরিবা [illegible] [illegible] অমদা মসিগা লোইননা লেংনবা হোৎনরি। মৈতৈগী অশেংবা লননি হায়না খনবিহুনা পাবি-রিবশিংনা খরদং পেনবিরবদি নোমজবগী মহৈ য়াম্লে খঞ্জগনি।

শ্রীখাইরাকপম ৺চাওবা সিংহ

থাইমগী লৈরাং

লাইরিক অসি পাবদা খুদোংচানবগী লমক্ত মথাদা ইরিবা মৈতৈ ঈশৈ খরা অসি নিংথিনা অমত্তুং মুমা পাবিগদবা ওই।

(১)

খোইরেন্তাক্তী লময়াইদা পাম্বৈনা নোংবানবু শোক্লবদা নোংবানগী তালোঙ মণ্ডানা অমুয়োম খম্বদা নোংবানগী লমন খুমনবা লাকপনি হায়রবদা খম্বনা খুমথি।

ইচন তালোঙ মণ্ডামক,
ইচন তালোঙ মচামককোয়া।
ইতাওবু শোকপা কৈ'ছুদি
খোইরেন্তাক্তী লময়াইদা
ময়া কবাক খন্দুনা
মমৈবু কিরান শাক্লুনা
কৈবুং য়োহোরে।

(২)

লাই হরাওবদা জগোইগী তাঞ্জা, পেনা সুরনা য়াম্না সুংঙাইরক্লবদা জগোই শাগ্নিবা ইচনশিংনা পুক্লিংদা সুংঙাইরিবা অহু ৱাহৈনা ফোংদোক্লিংলবা মতমদা:—

পেনা খোংবা তাদখোই
পেনাবু খোংবা তাদও
নচয়া জগোই শাক্লবা
জগোই খোংলৈ চানবা
হা খোংবীয়ু হা খোংবীয়ু।............

(৩)

গম্ভীরসিংহ মহারাজ অসি চৌংদা হাওগীদা কুইনা লোকলুরে; মণিপুরদা নিংথৌ ওইরগদ্ব কুইনা পানবা ওমথিরে; মচাগী মখূক্তা থৱাই থারবদা মমা মহারাণীনা তেংথাথি:—

চৌংদা পাৎপা ইচুওনলৈ;
তিয়দনা কেনথিবা
কুক্লুকই।............

(৪)

রামনা সীতা খিবদা—
পাত্তা তাবা উয়োকও
নবেম্মা সীতা উবরা
হা উবরা ?.............

(৫)

লাইমায়া তুরেন তৌবদা নোজোবীদা—
নোজোবী নোজোবী শাজিকখোং
তুজেন কৌনাসি। ....

(৬)

মিকোন থাগোনবদা—

হে থরাই মতামক
....
থরাই ঐনা য়ানিংদে
....

মিগা থানা জকমক
....
মিয়েল ঐনা খোইয়াদে।
....

(৭)

শাবি লাও লাও মাংলা খাজা লাও
কলকপা রান্মি য়েকনবা রান্মি
মাংলা খাজো লাও।

(৮)

অবাং চাওখোং হিদেন্দা
কাহাই কনাই ইলমজো
জাওখয়ি।

থরাই লৈকাই থবাল শায়ে
খোইমু ইজো বৌজিরাবা। ....।

(১০)

হা ইমা ইমাও

ঔচু মাক্কে ইমাও।

নোংচুই লাকদু

ছাত্তিন তুপত্র মরাক্তে।

লম্বেন নাম্রি লাকদু

চৈত্ত শূদন মরাক্তে।

ঔনা হয়েং চাউরগা

চাউর য়াঙ্গোন কারগা

শঙ্গেথোংগী থোংয়াইদা

শামু থক্তা তোংবদা····।

(১১)

মৈত্তান চাবি আওরে৹ কাছাই ধররে। ···· ···· ···· ···· ···· ····

(১২)

হৈয়োংখোইনিদা৹ চীঙবা হৈনিদা ···· ···· ···· ···· ···· ···· ···।

(১৩)

শঙ্গ্রেম্বী থোরকলো

মহুম পোঙ্গেন শাবিগে

লাইখুবাক খুবিগে।

(১৪)

চেক্লা পাইগ্রবনা

··· ··· ··· ··· ···

— ··· ··· ···· ···

চাংলুং সনা লোক্তগী

··· ··· ··· ···· ···।

(১৫)

হরিবোল য়াওশং মৈথারে। ··· ···· ···· ···· ······ ···

(১৬)

লাইনগী লৈয়াং অমনবা

মলুন মলুন লৈহুংশি।······ ······

(১৭)

লাবি লাও লাও

মাংদা থাগ্নো লাও।

মৈতৈ কবি

য়ারক্তা শাংপা লৈরাংনা
নমখিনবা য়াওবনা
অরেম্বদা কোনবগুম ;

ইয়াইদা লোংপা মণিনা
য়েংবিনবা লৈতনা
অরেম্বদা ঙানবগুম,

চীংনা কোইনা পনশাবা
চীংমীনা কোইনা পনঙাকপা
মণিপুর সনা লৈপাকনা,

অরেম্বদা ঙাল্লম্মি,
অরেম্বদা শাৎলম্মি
খংবিনবা লৈতনা

য়াথল অসি খনবদা
অহিং নুংথিল অনিদা
অয়াবনা ফুম্বংনৈ ।

গোমুখীগী নাপোমদা
ভাগীরথী গঙ্গানা
ঈচেল ফাংনা চেনবগুম

খংম্নাই লকা নুংহুদা
শিম্ববকপা লাইঙ্গনা
মিংলুগী নাপোম খুমনরি ।

নচাগী পাম্বোম চাউজ্রিঙৈ
পালেমগী নুংশিবা খংজ্রিঙৈ
ইমাগী সেবা ঙমলমজ্রি

(পালেম শকপি ইমাও ।)

তোল্লবা নচা ঐখোইনা
খুজেং পালোইনজ্রনা
মাকাইরোলবু খঙ্গগে ।

লাইরবা নচানা
প্রেমগী ধারা মতুনা
কৎচনিঙাই লৈজগে ।

খম্নাইগী লকা নুংহুদা
ভক্তিগী আসন মথক্তা
লেংশিনবিয়ু পালেমও ।

পুনসিগী মিকুপ খুদিংদা
থুয়া খাবু কাউদবা
পিনবিয়ু ইমাও ।

লাইররবী ইরোম্মি
খংদবনা হায়বনি
মৈতৈ কবি লাকখিনি ।

ইন্নুংশোয়া তৈরকলে,
চীথেং ফিহুপ হুরকলে,
কাকী লাম্বাও শীরনি ।

নুমিদাংবাইগী কান্দুদা
তময়া কোরি চেনবদা
পুকনিংগী তোর্বানথকতা ।

য়াথলগী আসন থাহনা
ঈথক ইরৈ খুদিংদা
পালেমগী কজবা য়েংজহৌ ।

থাবয়া ইপোম হৌরবা
শংলাকবা অহিংদা
ইমাগী নিংখিবা য়েংজহৌ ।

পোত্তী য়েংই য়াম্বেলো
চৈয়া য়েংই লোত্তেলো
কবিনা য়াংপা হৌনাে ।

বসন্তগী মতমদা
পৃথিবীনা ওয়াথোকখিদা
অয়াম্বা পোন্থী কেনজানা
কৈরাথক্তা কয়ম্বুনা
মপুগী কোলোই শকলিরা
কবিগী মিংথমনা য়েংজহো।
শরৎকী থাবন অরুবা
কালেন লৈরাং ফজবা
কবিগী হয়াও-নফমনি।
(পলেম নিংবা ইনাওশা।)
কোরবাক মাংদা থা
খোরজৈ খুৎতা পাজী
পলেমগী নিংথিবা খোংচিলহো।
মপুগী থোজাল ফংলবা
অসিগুম্বা লমদমদে
কবিগী পোকন-ফমল্লিদো।
ইচিন ইনাও পুম্নমক
লৌচিং অমতা ওইহুমা
পলেমগী লমন শিংনবা,
লৌশিংগী থাউমৈ থানসম্বু
ইমাগী সেবা তৌসম্বু
মীতৈ কবি লাকখিনি।

চীংগী লৈরাং অমদা

লৈরাং নংবু কনানো ?
লোইবী চীংগী নাপোমদা
পামেল ক্যামলৈ মথক্তা,
লৈকা ফম্না নোকইবা।

শীওেল নমায়বম্বু উদা,
লৈরাং শামায়বম্বু য়াওদা,
লৈরাং কনাবু য়েংহুমা
কৈরাথক্তা ওাম্লিবা ?

মেলৈ লৈম্না মুংজুম্পাল,
কদামবদি লৈম্নুংশি,
লৈরাং লৈচন খংহুনা,
মাংগদবা পাইস্মুইদো।

খাইনগী লৈরাং অমনবা
মল-ল মল-ল লৈম্নুংশি,
লৈরাংখিনবা লৈতর্বন।,
লৈম নিংথৌ য়োম্নে।

লৈরাং নংবু ঊবদা,
নংগী য়াম্নু নিংশিংদা,
ঐগী য়াম্নু খল্লুদা,
য়াথলগী ইথক হৌরিবা ;

নংগা মরুপ ওইবদা
ঐগী য়াওল মরূপনা
মালংবগী অাম্বা চানবা
লৈনা জগোই শাম্নিবা ;

শীতেল নংবু উবদা
লাইবকথিবা কবিদা
চাংজো নাইত্রবা ঈপাকা
রাখলগী ইরৈদা লুপ্লিবা।

কৈরাং নংবু কনানো ?
তোৎন-তোঙরবা তাইবংবু
লম্লাম্লবা পামহনা
অচিকপদা লোৎলিবা।

চিন্নাইদবী মরুপলোই
পামেল ফৈরাথকুদা
পংতুনা পুমহনা মাংখিবা
ঐদি খনবা ওমজরোই।

চুংশিরবা মরুপলোই
ঐনা পোমশাৎনবদি

উথিবসু পামজদে
থাগৎপসু মিহৌদে।

নখোই তাইবংমীওমনা
মপান্দা অক শাজরোই
নিংবগা তৌবগা মায়গে
পুকচেনশেংবা ওমজগে।

কাগনি হায়বসু কনাক্তে
তাগনি হাওবসু রাকদে
পুনসিগী পুংজা খুদিংদা
মপুগী য়াথং ওাকমি।

মপুগী খুভম অচৌকপা
অপাম্বা নংগুম্বা কনানা
লাকুনা য়েংগে য়েংসসু
নৈরাং পুক্লিং পেনগনি।

অরাবা ইশৈ (অনুবাদ)

সন্ধ্যার্তাগী খোজেদা
চুংখিল কোরোহনবসু
কাওরেন যম্বী বন্নাওসু
ময়ুম মাইগৈ পাংথরে
থাপনা লৌরাং ওনবা
রাখল চাওবা ঐডোন্দা
লৈপাকলৈমা শিন্নরে
নিংখি'লমদম পুম্বসু,
মলয়া চুংশিং নামিবা
অচিকপদা হারৌনা

মাইগৈ পুম্বা নিন্নরে।
নোংচুপ চীংয়া থাংখরে।
মমৈ ফিরান শাহনা
শম্লিকী তানবু থাহনা
খুনগী ইপা-ইপন্না
চৎলম্লিবা অহিংদ
অরাবা লম্বী য়াম্লক্লে।
অমম্বদা লোংখরে॥
লোইরোইনা শিংলম্লি।
চুংশিকোলোই'শকলম্লি॥

অথাম্বা লম্পাক'থক্তা উইনা শগুপ শাইহ্নুনা ?
য়াউগী শম্মু কয়ানা খোঞ্জেল মাংনা খোংলিবা।
(মাংগী মন্দির মতোম্দা, অথুম্বা কুঞ্জ মনুংদা)
চিরুবা মপাম লমসিদা ঈশৌলাংঙি হায়বগী,
অহিং ভাকপা কৌহ্নুনা, মকুশিংনা মাকৎলি॥
মাংগী পামেল উখাদা লৈতেংগাইগী মরক্তা
অচম্বা শম্বুক'মুংহ্নুদা, খুজাগী ঈপা-ঈপম্না তুমলিদা।
অয়ুক্কী য়েঙ্খোং ভাবদা, নামিবা মুংশিং রৈবদা,
নাপী কমজাওমুংদগী, নৌনা য়াকাইনজবা!
কুপ্না খামরেণ হোৎহ্নুনা লৈমগী সেবা ঙাইজবা,
পাম্রি মমোম কনাম্নু, চুপ্নগী মিহৌ ভাজবা।
লৌরাং ফৌদি কয়াদা, থাঙ্গোল জগোই শাখিবা,
য়োংলৈ নোংথাং শাহ্নুনা, পমেল কয়া কুপ্কখিবা।
য়োইবু য়োহেন ভাম্রবা, শাবী শানৌ অপুম্বা।
অচম্বা মোংফমথকসিদা, অঙৌবা কুরা উত্রগা
অচৌবা মাগুব খন্দুনা মিংচৎ কোলোই শকত্রগা,
লম্নইন পেনা খোংজ্রগা করিগী মীনোক চংলুবা?
বিখিনা তুংওইনবনা, লনগী মপু ওইহৌদ্রে।
লৌশিং থাউমৈ থালহৌদ্রে, লৈতবনা পেম্নখরে
লাইজ ঈপাক মুং'হ্নুদা লোৎহ্নুনা লৈবা মণিগুম,
শোংলবা নারক মনুংদা, লোম্না শাংপা লৈরাংগুম,
উবিনবা য়াওদনা, খংবিনবা লৈতনা
অরেম্বদা মাংখরে, মতম ঈপাক্তা তিন্দুনা।
লৈথাক মায়েন গুক্ফবা, মীথকখোংবা য়াম্বা,
পলেম পম্বো কয়ানা, চিকনা পোখানম্নিবা॥

থম্বাল উবদা

শাংচরো৹ লৈরাং শাংচরো
ওসিদি লৈরাং শাংচরো।
লাইজ ইপান ফরিঙৈদা
লৈরাং শাংচরো।
সুমিৎনা চীংরা থাংজিল্লিঙৈ
চীংয়া খেন্দোং লাংজিল্লিঙৈ
তময়া কোরি চেৎলিঙৈদা
লৈরাং শাংচরো।
খোইমু লাবা থাংজেংবা
লৈরাং লৈনম খংলরা
থম্বালগী লৈহি মীঙোইবনা
লৈরাং তমনা লাকয়ু।
ওরং ওরং ওংলতুনা
চীয়োল হৈবা কনানা
অচৌবদা নপগুম
লৈশি লৈখোল-লসয়ু।
মীনা মপাল ফরিঙৈ
লৈগী লৈহীনা থাজিল্লিঙৈ
খোইমুনা লৈদা নপগুম
মরুপনা তিনয়ম ওইগনি।
থম্বাল কৌবী লৈরংশি
ঐখোয়সু নখোইগুম্বনি
তাইবং ঈপাক থকসিদা
কেমনবা শাংপনি।
লৈরাং নংনা তৌবগুম্বা
তাইবং মীওইবশিংনা
পক্লেমগী গর্ভ সুংহদা
নোংমা পোমদনা লৈরম্মী।

লৈরাং নংনা তৌবগুমনা
খোমলাং অমৃত থকতুনা
তাইবং লাইজ ঈপাক্তা
লৈরাং নংগুমনা শাংচরি।
তৌইগুম্বদুং লৈরংশি
কেমনবা শাংপনি
শিননবা পোকপনি
ঐখোইসু নখোইগুম্বনি।
পুনসিগী অয়ুকনা লৈরিঙৈ
সুমিৎনা ময়ুম চংলিঙৈ
লৈরাং নংগুমনা শাংপনি
নংনা তৌবগুম নোকপনি
অরাবকী সুংশিং কয়াসু
খোইমুগী খোগল কয়াসু
পুনসিগী ঈপাক থকসিদা
লৈরাং নংগুমনা নংলোদে
পাজল য়েংঙি লৈরক্তা
অনিংবসু থুংলক্তা
হৈনিংবসু মাংখিদুনা
নোংমা নংগুমনা পংলদি..
সুমিৎনা চীংয়া থাংঝদা
পুনসিগী সুমিন্নাংক্লাইদুদা
লৈরাং নংনা তৌবগুমনা
নোংমা নিংবা কাঈরনি।
বিধি ব্রহ্মা নোংদম্বনা
অপাম্বা লাংবু থাকুনা
মৈরাম্বীনা তৌবগুমনা
ওাটহাক পাইনবা শেম্বদি

থম্বাল কৌবী নহাকনা
পুথ্রীগী লৈত্তেং ওইহুনা
কুম্বি কালেন শাংলবদি
নিংবগী মহৈ য়ানগনি ।
তৌইগুম্বসুং লৈরাংও ।
পুনশিনদি তেল্লিদো॰

তৌগদবনা য়াম্বনা
লৈরাং নংগুমনা ম্বাংলনি ।
শাংচরো॰ ওসি শাংচরো॰
লৈকা ফম্না ওসি শাংচরো
লাইজ ঈপান করিঁওদো
লৈরাং ওসি শাংচরো ।

শিবা

ওসি শিনি, পাউচেন্দ॰
হয়েং শিনি পাউতাক্কে॰
লৈরাং লৈথোক লোঈরগা
হৈরাংসু মমুন কারগা
মালেম'থক্তা কেনখিনি ।
শিবগী মতম থংবরা ?

নুমিৎকী তানবা মতম লৈ॰
উনাসু কেন্নবা মতম লৈ॰
নিংথম কাম্বি শিন্নবা
হৈরাং-লৈরাং 'পুম্বনা॰
শাংতুনা কেন্দুনা মাওথরি ।
শিবগী মতম নাইবরা ?

লোইদাম থাবুম ফাবগা
য়াক্লোন শংজিন তাবগা॰
অমংয়াইথোং কুম্বনা
মিনা হুকচাং ইনবগুমনা
তাইবং খুত্থং লিন্নকই ।
শোঈবা তাইবা নত্তরা ?

সমত্রু ঈপাক থকুদা
চীকমাংনবা কোন্দোনগা
তাইবং য়াক্লোনশংহুদা
মালেম মোংকম মথক্তা
তাইবং মীওইবা মপোক্কা
কম্নি খেন্নবা লৈবগে ?

মোংলোন অতিয়া থকতুদা,
ফুইননা হোৌবা নোংগী লক্তা
নোংথাংনা জগোই শাবগুম   অয়ুকী য়ুরোম্বা শাইবগুম
তাইবং লীলাগী কন্বাক্তা
উংলমলগা মাংঙোইদ্রা ?

ভীষ্মবীরনা কদাইদনো ?
নেপোলিয়াম্না কদাইদনো ?
তাইবং লান্থম থকতুদা   লানগুম ফিরান থেংলগা
মিংচংকী য়ুম্বী য়ুংহনা
লোইনা নোংগানথরে।

নিনিগী শাবা মযুমনি।
শিবগা লোঈননা মাংশনি।
মাংগী তুংগী য়েংদনা   তাইবং ঈপাক্তা তাউহনা
ঈশিং কোলোন তাকপগুম,
মৈতাননা য়াখৈনরনি।

ওসি শিনি পাউচেন্দে,
হয়েং শিনি পাউতাক্লে,
ধর্ম্মনা লেংদবা উপাধি   মিংচংনা মাংদবা মরমি,
কনামা কনাগী কৌরিনো ?
শিবগা পুন্নমক মঙনি।

মপুগী শিনশং অসিদা
মপুগী শিঙ্গা পাংদুনা,
পুকনিং তুম্থুং হয়াওনা   নিংবা কাঈবা লৈতনা
মিংচংকী উয়োং খিন্দুনা
পোকপা মথৈ য়ানরনি।

মেৱাগী থাবল

শরৎকী মেংলবা থাবল্লা৹
মালেম চাংজো থুৱদা
ঊয়াইদা কোংগোল কাবগুম

থাবলগী ইপোম মরক্তা৹
থৱান মিচাকী পরেংনা৹
নোংমদোন শীনবা থুংখরে।

নোংয়িন লাবা অমোমনা
ফৈরা'থক্তা ফমদুনা৹
কবিগী অমৃত য়াজরি।

থাবলগী লৈলাং খিবিক্লা
মালংবগী ফোরোই য়েংদুনা
মপুগী কোলোই থজরি।

থরো কৌবী লৈরাংও।
মতম চাবা উদুনা
লৈকা ফননা নোংলিবোই।

মতম ইচেল অয়াংবা
করিগীদমক থাজবা
মাংবা লৈরোই নিংলিবোই।

পংনা পানবা তাইবংনি
ঐথোইস্তু নথোইগুমনি
শিবা ঙাইনবা হিংবনি।

মপুগী থোজান ফংলিঙৈ
শাবিনা লৈপাল্লিঙৈ
লৈকা ফননা শাংচহৌ।

ইনুংশোয়া ভৈরগা,
টিট্টিথ ফিজুপ হুলগা৹
অমুক নোকপা ফংলরোই

পুনসিগী অমম্বা অহিংদা
থাবলগী মায়া উবদা
ঐথোইস্তু নংগুম্না নোকপনি

ঙসি শিনি পাউচেন্দে৹
হয়েং শিনি পাউতাক্তে৹
মৈতাননা য়াথৈনদ্রিঙৈ
শিনি হায়বা কাউবনি।

চাংজো লাম্বা ফংত্রবা
থাবলগী ইরৈ শল্লাইদা
রাখনগী হিনা তাউথরি।

থাবলগী য়াস্তু মিংশিংদ্রে
লৈরাংগী য়াস্তু কাউথরে
য়াখএক্তনা ঊহৌরে।

হিনাও শাবস্তু য়াওদ্রেদো
চাংজো লাম্বস্তু ফংদ্রেদো
কনানা হিথুংকম তাক্কনি।

তাইবং তুমথুন হুল্লগে৹
খুত্তাক লানশিনবগুম
মীচিকনাচিকথোন তাবক্তে।

মল্লার লৈত্রবা কাকশিংনা
ইঙুং ঙাললে থন্দুনা
অটীকপবু থুগাইরি।

মগুন থংবা কনানা
তাম্না কৌবা চেল্লানা
পঙ্কম্‌ শল্লনা খোংলক্লি।

পেননা হৈবা কবিনা
মপুগী গুণবু উহনা
তরুংলাইজ শিথৰি।

অঙানবদা শাওরংনবা
অমমবদা হৈনরবা
মকুতনা তেংথারি।

মেয়াগী থাবল উবদা
থম্মোইমুংদা পেন্দবা
অতৈ কনা লৈরগা ?

পাপপু চেনবা কনানা
মকুগুম্বা থরনা
খোইরাংখোইশাওনবনি।

লৌউবা

ইমুংশোয়া তৈরকলে,
চীথৈ ফিতুপন হুয়রকলে,
কাকী লাম্বাউনা শীনখরে।

খুনগী লৌরাং গুবনা
বম্পোং লাঙ্গোল পান্দুনা
লৌবুক্কী মাইগে তমখরে।

য়াহৌঙনবা কমানা
য়োংলৈগী নোংথাং শাহনা
তেম্পাকী লাড়ু তাখরে।

অইংঅশাবা কিদনা
মুংশি-কোলোই শক্কুনা
লাঙ্গোলগী য়োংলম ফাংখরে।

লৌরাং গুরিবা মুপাদো
ঐখোইগুম্বা নত্তেদো
মশাদা অতনবা পক্তরি।

তেয়া মোম্পাক্তা হিপ্তনা
তরা মথেল চাহনা
নখোইনা পেনবা গুমদরি।

হুমাং তানা নোমলগা
চানিংবা থরা চারগা
তাথিবা মকমদা পুংরি।

মুমিংনা চীংয়া থাংবদা
চীংয়াগী খেন্দোং লাংবদা
লৌচি কোইবা চংখোকলি।

অশংবা কৌগী পান্দোংদা
মালংবনা হুমবদা
কৌনাদা ইপোম কারকলি।

---

* 'দীঘ ত্রিপদী ছন্দ' অসি মৈতৈ লাইরিক তৌবা ওয়াশিংস্থ মমাংতৈদগী শিজিন্নরকই তৌইগুম্ব মরেক চাবননদি কনাস্থ খোইনা হোৎনদে।

ঋাবা'পুম্না কাউহুনা ভরৎণুবা খোম্বাংনা
লুংঙাইরা কোলোই শকলকলি।
চীংজীন চুপনা নোংমরে লাংবন লোকা-নরকলে,
চহিগী বাত্তনা পৈশিল্লে।
পোইঙ্ষুনা লাকপদা লৌরোক পাম্বা য়োবদা
ফৌবৈগী চীংতুম শারকলে।
লৌয়ৈ তাম্বা পীরকলে হুমাই জগোই শারকলে
ফৌগৈবু চোননা থিনখরে।
শীংঙ্গা ঋাৎপঙ্গু লৈজেদো চক্ক চানবা শৈরেজো
ইংখোলগী লম্বোং থিংখরে।
লৌরাং শুরিবা তাদও কলক্কবা ওয়দেজো
নংগুম্না লুংঙাইবা কনানো?
মীঙোন্দম্ম পুথোকতা মীঙোন্দগীম্ম পুরুদা
লৈজবা অহুনা পেল্লিদো।
চাউবগীম্ম মীহৌদে কানি হায়বম্ম কল্লক্কে
তাগনি হায়বগীম্ম ঋারুদে।
অৱাবগী তাইবংদা নহাকুম্না লুংঙাইবা
মকম কদাইদা ফংগবা?

মীওইবা

নোংলম্বা বিধিনা কপনবা শীন্দুনা
তাইবং মীবু থারক্লে।
পুন্সিগী ঈপাক্তা 'ঋাবগী ঈরৈদা
ঐখোয়না ঈরারুরে।
অপাম্ব'গী ঋায়দা ... অক্তনা পুরুদা
খোরুকমম্ম থংলগা

'ঋাবনা চাকতুনা কপ্পনা শিবনা
হিংবগী মহৈ ওইরে।
কনানা ঐগীনো ঐগীনা কনানো
শিবগা মন্না তাক্কনি।
ঋমন্তু ঐখয়রে ওলাংথা চৎলক্লে
জোতজা পানবা লৈত্রি।

লনম্ভ কৌশীংনি পাজনম্ভ মাংখনি
  পুক্লিমা থম্নাগী ঈশিংনি।
অসিবু হায়দনা অবা তেংথাদনা
  করিগী লাংজরগনি ?
অবাবা হায়দনা অতংপা লৈতনা
  শোল্লগা থাবা হেল্লিদো।
মপুগী শিজংনি থবক্কী মকম্নি
  থবক্তা মাইরোং য়াও।
পুন্সিগী লাম্বমদা পাম্বোমবু ভিংখদা
  শোইদনা থাবা কোকনি
অতনবা নংদি হিংহুনা লৈবদি
  নংগী ঐগী লুম্নবনি।
পীবদি হৈতবা লৌবদা শিংলবা
  অতনবগী মশিন্নি।
তনবা তোক্তুনা থবক্তা চংহুনা
  মপুনা নিংবা থুংগনি।
মাংগীম্ভ থাকদে তুংদম্ভ তন্দদে।
  হৌজিক্কা মম্নবা মতম্নি।
নখোম্ভ পাংহুনা নপুক্লিং হরাওনা
  মঁহেম্ভ মপুনা শিম্নবনি।
অচৌবা মীশিংনা অশিংবা কনানা
  মুৎত্রবা পজেংবু খেৎলি।
লমীম্ভ য়েংহুনা ক্রিয়াদু খেৎহুনা
  ঐখোইম্ভ থুডম ফংগনি।
কাজদী তোর্বান্দা খোজুম্না তাবদা
  ঐখোইম্ভ শিদবা ফংগনি।
খোজুম্দু লৌহুনা অতোপ্পা কনানা
  মিংচংকী খোংজিন্দা লাকনি।
বিথিনা ফংদবা মপোক্তি তাংলবা
  হৌজিক্তি নংনা ফংজরে।
মংনি হায়হুনা নিংবা কাঈহুনা
  করিগী তেংথা-নরগে ?
কল্লিবা অমুপ থাবম্ভ অমুপ
  শোইদনা হেনগদবনি।
নশাগী ওক্তুনা মীতোন্দা পীহুনা
  নশাগী কান্নবা থাগনি।
বীণাম্ভ খোংসম্ভ ক্রিয়ানম্ভ খেৎসম্ভ
  ব্রহ্মানা কংব্রবা মপোকনি।

লমু ত্রিপাঠী অসি শ্রমিংদি পীজিন্নগা থবক্তি কন্না পীজিন্নবা ঐদে।

তাম্না।

চেক্লা নংবূ কনানো ?
শরৎকী মেংলবা   থাবম্না থূমলবা
চৌংশী নাপোম থক্লিদা
অমৃতনা থিকপগুম
তাম্না তাম্না খোংলিবা।

চেক্লা নংবূ কনানো ?
খেংলবা অহিংদা   চীক্রবা লোক্লিদা
বৃন্দাবনগী ময়াইদা
শ্যামগী বাঁশীনা তৌবগুম
তাইবং পূক্লিং গুম্নৎপা৹

য়ুমদা লৈবা ওমদরে ;
ব্রজগী গোপীনা   মুরলী তাহ্না
ব্রজ বৃন্দাবন'দুদা
শ্যামকাহ্নাই থিবগুম
চেক্লা খোঙ্গুল লীরক্লী।

হুংশি হৈতবা চেক্লাও।
য়াংলবা পূক্লিংনা   হৈনিংবা মিৎয়েংনা
অশোংবা বনগী লক্তা
শাদানবনা তৌবগুম রে
নংগী থিকম খংদরে।

চেক্লা নংবু কনানো ?
স্বর্গদা শকপন্না   পাতালদা খোংবন্না ?
লাইরৈপাক্তা খোংবা
বীণাগী খোম্থাং য়েবগুম
নপাউখোন্দা তারিবা৹

শক্লাইদবী চেক্লাও।
করিবূ খন্দুম্না   হুংশিবা খোজেন্না

তাইবং মালং পান্নসিদা
খোজেলা নমিং ওইবগুম
পুক্নিং ঈৱাং হৌবনবা

চেক্লা নংবু কনানো ?

হাবনা চাক্লবা লৈকংলা মাক্লবা

তাইবং মোংকম থকসিদা
চন্দনথিকপা লৈমাংগুম
পুকনিং থৌগৎনম্লিবা ঃ

চেক্লা নংবু কনানো ?

হাথনা মংত্রবা নুংগী থুংঙাইবা

মরীক মতং হংবদা
চেক্লা নংগী নত্তৌগুম
তাইবং ওলাংপা ওমজনি।

হুংশিবী চেক্লাও।

হাথম জগোই শাজবা জগোইগী খোংলৈ চানবা

খোংবিয়ু চেক্লা খোংবিয়ু।
চেক্লা নংগী নত্তৌগুম
হায়ে কোলোই শকচগে।

চেক্লা নংবু কনানো ?

নপাউখোনবু তাবদা মিংলু নাপোম অনিদা

থাজত্রবা, মপুগী হাথমা
গজা ঈহৌরকপগুম
প্রেমধারানা শিদ্ধয়ি।

লোইকাবা

নোংমগী কোর্নো মুমিত্তা, মুমিদাংন্নাই,
—মুমিৎনা চীংয়া থাংলকপা,
তময়ানা কোরি চেনবদা,
অমতা পোকপী থাদোইনা, মনাই শেন্নু য়েংল্লনা
চীঙ্গোই মপাও তাক্লকই।
চান্নথোইরবী ইতান্নোই।
মুমিৎকীসু তাননবা মতম লৈ;
হৈরাং লৈবাং'পুম্বসু, লৈরাং লৈখোক লোইরগা
মালংবনা তাক্লুনা মালেম'থক্তা কেন্নরি।
তৌইগুম্বসুং ইতা-ও।
মুবা লাইবক থীববী, নতা ঐগী মকমদা
নোংদম থীববা বিধিনা
অন্নাবগী ভমথৈ পীরমদ্রে।
ইপাম লমদম মুংশিবা কেগে মোইরাং থাত্নুনা,
শেমবি লোইদা থাক্লকপা
লোইদাম থাবুম যামলক্রে।
ইপান্ন লমদম হায়বসি, অঙকপা ময়ান্নি।
শাংদোক্‌হৈবা য়োৎহিংনা
খোংজেং পালোইনত্নুনা
চন্থোক্লগা, থোইনা চেংনা পুন্নিবা।
কেগে মোইরাংদা তৌবগুম,
শেন্নি লৈরাং মুংশিবা, কুবো হৈরাং অপুম্বা,
মুরাগী পুক্লিংনা খোইদাদে।
বসন্তনা লাকপদা পোম্বী চেক্লা খিবিক্লা
কেন্না'থক্তা তোংহ্নুনা, মুংশি কোলোই শকপসু
ন্নো ঐগী খোইদাদে।
লোইবী চীথাং থত্নুদা

তামনা কৌবী চেক্লানা, তন্নেং শুবা খোম্বাংনা
মপুগী কোলোই শকপদো
হুয়া ঐনা খোঁটাদে
মাহু অপুবা থমহুনা,
ঐবু পোকপী পলেম— ঐবু পোকপদগী খীরবী
লাইবক চাওরবী ইমানা,
নাউগাইনরবা শন্বীগুম অবা ভেংথনরিবা।
পাবুং পম্বৌ যুবরাজ
মোইরাং লাইনিংথৌ মহারাজ
মোইরাং নিংথৌ পুন্নিক লাই
বায়েচেনবী মমোমগী মা পুক্লিং ইংঙ্গ্রিবা।
শাবি মানজা পাম্ম্বা
অমুদোন নোংঙ্গাই শাজৌবা
কল্লকপনা কোঙ্গ, য়েক্রবনা য়াম
থমহু পোজ্জেন লাঙ্গরবী, ইহু নিংথৌ ইবুঙো—।
(অস্থুয়) বাক্তাং থাগী মাকয়েদা
কোকিল নহা খোমৌবা, পঞ্চম স্বরদি য়োঙ্গমদা,
মতেক ওইবা খোজেন্না 'কু কু' হায়না খোংবগুম,
বাবনা ফুক্লবা স্বরনা,
মতেক মতেক ওইবা বাঙ্গেন্না,
চিঙ্গোই পাউমেন্নহুনা
অমতা পোকপী থাজোইদো
গোমুখীগী নাপোমদগী গঙ্গা ধারান শিন্দবগুম,
মিংস্না থম্বাল অনিদা তরং লাইজ শিন্দল্লি।
হৈয়াং পান্দী নিংথিবা, লৈয়াং পান্দী ফুংশিবা,
পামজবা কনায়া হৈয়াং লৈয়াং পীহুনা,
মশাগী অরূপা কোক্রবগুম,
(অমদি) অশোক কৌবা উমংদা
সীতা হায়বী সতীনা

বিভীষনগী তাপোই, মনাই সরমাগী মাকুপ।
মাংগী যারী শাহুন অরা পোকথোক্লবগুম
ঙাম্ন থাজোংনা য়াচংবদা খোংবগুম।
অরা-তেংথানরক্লি।
কনেক খোইগা শেংলিউঙে,
কুমলংনা নাদা চিল্লিউদগী তিমরক্ষী মতাম্লোইদ্রে,
মনাই শেম্নু অচানবী,
মবেম্ম ম্না মাংদা, চিঙ্গোই মপাউ হক্তংচে।—
বরিবাগী কান্দা ঈচেনপুঙসদ্রবা তুরেলবু,
লাইজ ঈথাই পীবগুম,
মনাইগী বাকং তাবদা,
নাপোম থুমলবা য়াথনগী ঈরৈ অকনবা
থরনা লাইজ শিন্দনা, থরনা অরাতেংথানা
ঈচেন ময়েং তানরি।
হুরা মোমন্থ ইবেম্মা, অমতা পোকপী সনাহল!
পম্বৌগী য়াথং ইল্লিউঙে, সতীগী ব্রত ঙাক্লিউঙে;
করিগী অরাবা শীংথানরিবা?
নশাবি অমুদোন নোংয়াইগী
চরৈ থাংজেং ফিহৌবা,
কবোগী লংলা তজাবী, পাইরথুদাপ হল্ল ক্ষেদোম,
ম্নাগী নমথাং ফিরোনবা, লোইরবরা ইবেম্মা!
মতাগী কোলোই তাহুনা, নৌদা নৌবী ম্নাহল
লৈরাং মানবী তথোংপী,
পলেমগী অমৃত থাত্রিবা, নরা স্বর ঙমজনা
মতেক ওইবা বাহৈনা চিঙ্গোই পাউথুমজরকই।
লৌরাং শূবা কনানা অনৌবা খোংলম য়ানবদা
কল্ল কল্ল শাংবগুম
থল্লু থল্লুরে হায়রগা
থম্মোইগী লকা'গুংহ্বদা, অরাবতা মহৈল্লি।
অঙ্গগী ইম্নুংশোরা তৈরগা

কেগে মোইরাং কোয়ুংবা চীংথ্ববদি যুবরাজ
তরা লুকোই হারগা ,সা ফমজাও থক্তা
তোংজৈ থবুম ফান্দুনা অরা পোথানরিঙৈ
তালোই অচানবীনা সা থোগন তৌরিঙৈ
নাইজহনবা কৌহ্নুনা সা য়াথং তারুকই ।
ইমোম লাংলেন সাহল অমতা পোকপী থাদোই
উদবা কোয়ৌ কুইরক্লে ।
ঙসি খোয়েম মংলাংচান্দা
চীংদা কাহ্নুনা শীংজনবা, পান্তা কুমদনা লোথোনবা
উরম্মীদা ইচাদো !
শেম্বী মরমদা করি রাবা তারবা?
সত্যগী রাশক ঙাক্লবা ; অঙোম ময়ুমদা পীবনি ।
থক্তো অমা শাত্রবা ফুংদা অমা পোমগ্রবা
তাংনা শাৎলবা ইমোমনি ।
ইচাগী মনিং তৌসহ্নু ।
হৈস্নু হায়না রারকপা শিংস্নু হায়না পাউতাকপা
ওক্লে ঙসি ওক্লে ।
তাও অচানবা তাও !
হয়েংগী সোরা তৈত্রিঙৈ কাকী লাম্বাউ শীম্রিঙৈ
চরোঈ তেতুনা খোংত্রিঙৈ নাইজহনবা খোংশাল্লু
ইমোম লাংলেনহনবু শেম্বীদগী কৌথংলু ।
তয়ুম কনা লৈবগে?
অঙোম ময়ুমদা চংলো লাও !
সত্যগী রাশক কায়নিংদে, তাউজ্রীং লমন থম্মরোই ।
(নোংবান্না লাক্লবা কান্দুদা)
হা নোংবান কোংয়াম্বা !
হৈস্নু শিংস্নু হায়হ্নুনা শেম্বী লোটদা থাঞ্জবা
ইমোম লাংলেন সাহল
হয়েং কবো লোইকাম্লক্লনি !
ঙৌবা নয়ুম য়োৌজহো ।
হৈন-শিংনবা রারকপনি

ইমোম লাংলেন মাংকনে।
থেয়ম্বনা, নোঙ্বনা য়োরকউ।
(অসোমদা) তুমুরাকপা মরান্নাই।
চাক্লবা চুমিংকী থাদী মৈশানা মৈবদা
থোগংলবা শারিন, লাইজ লিক্লা থাইমচন।
থোরাংনা ঙাইরবা থাদোই,
মপু ন্যাইজননবগী কোয়ম্বাই মপাউ ঙাবদা
কুমগী ইনৌ ফংবদা,
শারি নোঙ্গৌবীন পেনবগুম,
পাইমম্নুংদা থঙ্খি।—
ইবুংথৌ থাংজীং লাইনিংথৌ
মন্নাইগী লাইনিং উবিদন, কুবিরগে মিংলরোই।
বোং চাংজৌ জরানা, ইচু কাইদা লিশিংনা
মরণগী থাদা নোঙ্গরি।
পা তুম্নরাকপদা চংন্থনা
পাংথৌ শক্লবা, ইপাও!
অয়োনবা পুম্বা কনবিয়ু, লানব'পুম্বা থাকপিয়ু।
নমোম দুম্নবী থৈহাক্লা
চক্তিংগী লৈরাং নঙনা
জমিংঙাই লৈজদে।
লোইদাম কামম্বা কোমৌ শীংবুম মুকশবা
পম্বৌগী শাইগংলা পুথনা
ইপাম লরমনু কাইনবা
(নমোয়া) করিন লম্মন শিংমিবা।
মতা শক্তিক চংনিং— থোম্বীদা
চুংশিরবী ইজারোই।
তন্না থোক ভাংনবা, চামথোক্না শঙনবা
থোইদা লিবানমুশি।
নচেং চাদ্রুনা মৈরবী, তোম্নবী থঙ্খা থৈরাক্লা
প্রেমগী পুলোক নত্থনা, পীরম্লিরাই লৈজদে!

অমুম্না পুকমেন পাউমেন্নহৌনা,
মনাই শেন্নুনা মাংদ থা, মাইজহনবনা তুংদা চং
শীজনা লোইরোই কারক্লি।
শেম্বী মরম তুংওইনৈ,
কেগে মাইগে পাংলক্লে।
সত্তী য়াথং কিবনা চৈশুনা রাপম কাথরে।
মাংগী মাবু নিংশিংহুনা, মিংম্বা থম্বাল অমিদা
তরং লাইজ শিম্বখি।
শীজনা লোইরোই কারক্লি, কুম্বি তেন্না মাংওইনৈ।
(অসোমদা) অঙৌপাম্বা মপান্নি,
মনাই শৌরা মাংদা থা,
দোলাই লেংজাও কৈনা তোং, ঙৌবা পেনা থক্তা থান,
কুম্বি তেরা খাদম্বা শীজবু ওকপা লাকচন্নি।
কুম্বি তেরা খা'তুদা, দোলাই লেংজাউ থাহুনা,
মজা ইবেম্মবু ঙায়জন্নি।
শেম্বি পম্বক অশাংবা, মুংঙাইবনা তেন্নবা,
শীজনা লোইরোই কারক্লি।
পেঙৌ খানবা উবদা খোংজাপ তুংদা হন্দুনা
মনাই শেমুদা হায়রকই।—
মাংলে মাংলে ঐহাক্তি,
কৈ কিহুনা চেল্লগা, শওম ওন্নবা তান্নবোই
কবো নিংথৌ মন্নানয়াঈ, হন্নসিন্না ইত্তারোই।
মাংমখাক্লিবা পে'সি কনাগী পেজো থংবরা?
অঙোম কম্নাইবা কনানো।
অচৌবা পেবু থান্দুনা,
নিঙোনগী মুঙাইনা লম্বীদা,
তিম্নংগী পৌরোন শীগবা,
য়োংপীগী শৌবু থাকবা?
পম্বৌনা ঐবু কৌবদি, চান্দুনা কৌবা নঙ্গোলো
খাম্বি মৈরি'থক্তা য়োংকী কাচাই থাংনম্ন

মমোম্বু শীনথ্রবোই।
অঙোম মন্থুমদা য়োরোই
নোংবান মন্নাক্তা চৎলোই হায়বগী
পম্বৌগী য়াথং ইন্দবনি, কবো লোইদা চৎপনি
পাক্তা কুমদনা ঙাকাবা চীংদ কাদন শীংজনবা
কনাগী মগুং লাংগীনো ?
ইবুধৌ থাংজীং লাইনিংথৌ।
ননাইবু কপ্পবতা পোকহল্লে,
অঙ্গম রানি থংলবদ্রি,
পল্লেম' খোমলাং অমৃত থল্লিঙৈদা
শিজ্জৌবনা ফগনি।
মাংগী তুংগী সাক্ষী ওইবা
কোরৌহনবা ইবুধৌ!
পাওবকী তালোই সতীবু অয়াবদা কনবিবা,
নাকোংনদি তাঈ
লাইবকথীবী ননাইনা সত্যগী য়াশক ঙাকপদা
তেংবাংবিয়ু লাইনিংথৌ।
লমজাউখোয়া চাক্লবা মৈয়ীনুংদা,
পাজল শোক্লবী শক্তিনা,
মাইগৈ থুংনা চেল্লগা, পাম্বৈ লৈতবা উহুনা
মচা মথাদা কোল্লুনা শিননবা ঙাইবগুম
পাম্বৈ উত্রবী সতীনা, মপুগী খুয়া তমত্তনা
খুবাং চাংজৌতিরানা হে খুরুমজে।
সতীগী মিংগ্না থম্বান্দা
প্রেমগী ধারা উহনা
উরী য়ারী অপুম্বা 'তরং লাইজ শিম্বথি।
লাপ্লপ চেল্লবা তুরেন্না
সতীনা য়াবা ফংবসি, উজরোইবু হায়হুনা
উচেন য়াংনা শিম্বদ্রি
(নম্রগা) লাইজ নিংথৌ ঈপাক্তা

সতীগী থাবা থাকৎপা,
ইচেল য়াংনা চেম্থরি।
অহুম্না ঙাইহাক পুন্সোই কমদুনা
অমা তেংথানরগা পাইমদুংদা থম্লকই।—
থাংজীংগী কৃপা য়েংলগে।
লিন্দ্ শিনবা, চৈগুস্ তেক্লনবা
ইতৈ হায়না কৌদুনা
পন্থৌগী তাউজিং লমন খুম্মগে।
অমুক পনবা তৌদন', তেম্নাখাবু ওমদুনা
শীজনা লোইয়োই চংলকই।
নোংবান নাক্তা চংদুনা কোলোই মপাউ হায়রকই।—
ইতৈ নোংবান কোংয়াম্বা!
কেগে য়ৌবা গুম্মোইদৌরে, ইতৈগা উনবা ফংবদি।—
ইবুধৌ থাংজীংগী কৃপানি।
অসিনচিংবা হায়দুনা, ঙাইহাক পুন্সোই পোথারগা,
কবোয়াই হৌরে হায়দুনা সনা তুশিন্নথংরে।
থাদোইবু মিহৌবগীনে,
যুবরাজগী য়াথং কিবনে
লাইজ ঈশিং থিদুনা, তাউজিং হৈরাং পুখোক্লুনা
শীজগী সেবা থৌগনখি।
“শিরে পলেম শিরে:
তাওজিংনদি থরোই, লাঙ্গজনদি কায়রোই।
য়াঙ্গোই মতং ফংত্রবদি, কবোয়াই কথা ওম্মরোই।
মতাংনদি চাত্রবনা য়াঙ্গোই ফংকদি ৱাঙ্গারোই,
হা থাংজিং লাইনিংথৌ!
পলেমগী চেংলৌ উদনা
থাংমুথক্তা শিন্নু ওমথরবোই।
বিধিব্রহ্মা নোংঙম্বনা, কলম মচীন থৌথিদুনা,
মুঙাইথমথৈ কক্লুনা অবাবতা ইগ্নরোই।
কেগে য়ৌরোই বারম্মী,

ইবুংগো খাংজীংগী থৌজাল্লা ইতৈনোংবান উনরে
হৌজিক য়াঙ্গোই মতং ফংদ্রুনা
কবোরোইনা শিবা-তারেদো"
করি হানো সনাহুল।
আচৌবনা চংপদি য়াঙ্গোই লোইনবা হৌনৈনা।
ঐসু শগোল পুরক্লি।
ওন্থোকপনি বিধাতা, মীগী চেংনা লৈরিতৈ,
হিংনবা পাম্বৈ মরাকই।
ইপুগা শেম্লগা হাল্লম্মো;
পলেম পম্থৌদা তাকপিরু
য়াঙ্গোই ফংলবদি ফরনি; ঐহাক্কীদি হাকসু।
অসি হাবু হায়দুনা মনাই অসি খাখরে।
ঐহাক য়াঙ্গোই তোংজগে;
ইতৈনা নাক্তা তাকপিয়ু।
তাইহাক খরা থৌজগে, চেকশিন্নবু শেনবিয়ু।
শীঞ্জ য়াঙ্গোই তোংখংলে।
তপ্না থৌবিয়ু সনাহুল।
খর থৌ অমুক হন, খর থৌ খর হন।
লমছম থৌ লম্নী হন, তরা থৌ তপ্লেং হন।
অমত্তা পোকপী খাদোই
য়াঙ্গোই খুরুপ থৌদুনা মিংফম হাংম লানখরে।
হা সনা ইবেম্মা, অঙোমৈ লৈরক্তা চংবিয়ু।
হা নোংবান কোংরাম্বা।
য়েন কাংক্রম মফোম্থোক,
পুন শংবাই নাতৎপা।
কুম্বীগী তেরা খাদুদা, ইতৈ ইতৈ কৌরম্বা
পম্থৌগী তাওজিং লমন খুম্বনি।
তয়ান মানবী চিম্বান্দগী
তাংখোরকপা কোলোইদি, কোকিলশিংবু ওমজৈদা!
য়াঙ্গোই খাম্বা ওমত্রবোই।

সনা ইবেম্মা, ঙাইখো, ঙাইখো ;
সুংশিংকী মমাংথানা নোংবান কোংয়াম্বা তাখৎলো।
হা নোংবান কোংয়াম্বা !
খুমন ময়ুম য়োৎলগে, নোংয়াই মনাক চৎলগে !
মাগী লমন্ খুম্ববা, ইতে ইতে হায়দুনা।
তালোঙ্গীশীংদা চল্লমলে।
ঙসিগী কোরৌ সুমিত্তগী
নঙৈমা হায়না মিঙ্গৌরো
'সুংশিদা ! শগোল থাম্বা ঙমদ্রবোই।
সনা ইবেম্মা, অঙোম লৈরক্লা খোঙ্জিল্লো, খোঙ্জিল্লো
য়াঙ্গোই শাজে থাদুনা কাক্লাগী লম্পাক য়োৎলক্লে।
'কাক্লা সুংশিং নামিবা'
সুরাবু মোগী শীংদা চলহল্লি।
সুংশিংকী মমাংথাদুনা
খুমন মরানয়াই য়োৎখরে।
নোংয়াইসী লাঙ্গীর খাংপোক্লা চৎদুনা,
পুকমেন পাউমেয়ল্লিঙৈ,
য়াঙ্গোই শবুক্লা শাবন পুনশিন-থিদুনা।
শুকনা থিনগে তৌবদা
মনম্মা খয়মো খামজমথি।
'য়ানবগী শগোল' হাঙ্গিদুনা
থোঙ্গাল ভাল্লা হোৎইদোকথি।
অঙৌ পাম্ব মোংথানস্থ তুংখ খাংখ মথুংঙৈ।
লম্মাংদা য়াঙ্গোই'হ্ উবদা
কৈরাকপগী য়াঙ্গোই চাবোকলে
হায়দনা চংদন য়েংবদা, মাগী শগোলি ঙইরমলে।
মজা ইবেম্মগী লরুক শিন্দুনা
মহাক্লা চৈঙুনা ফুদোকলে।
অঙোম উময়ুমদা, হনখিবদা
তোক্লো কৈৱী মজলা
মশমপুম্বা লুখমদা পুন

তজাবি নমথাং খুদাং খোং
থরাই খোজান্দা খোক্‌না
জগোই তাঁজা চান কোলোই লাউনা শরুমী।
ইনম্ম শীজ লেংডকএ অঙোম শাগৈ চাউরনি।
(মবুংনা শাউরংনহনা, মচনবু ফগে তৌরবদা)
ঐখোইগী য়াম্বুং ইকাইরে।
(মজা ইবেম্মনা তোংলকপা, য়াঙ্গোই শাবল পোবা উহনা)
ইনম্মশীজ পোরকলে অঙোম শাগৈ চাউরনি।
অঙোম ময়ুম য়ৌরক্তে থংহনা,
যুবরাজ শঙ্গাই চত্তনা, অমতা পোকপী থাদোইবু
লেংডকপরা হংজখি।
নংবু ওরু থাগ্রগা, ইমোম মফম থংত্রবদি,
ইচাদি মাংবা য়ারোই, ইমোম থুনা পুরকউ।
নোংয়াই ময়ুম চত্তনা মজা ইবেম্মা লেংডকপরা,
চিঙ্গোই মপাউ হংলুবদা,
মজা ইবেম্মগী খোইয়িনশিন্না,
ছুরানবা কনানো হায়হনা
নৌংয়াইনা নোংবান তাল্লক্লে।
প্রাণদদি কল্লু হায়হনা; অঙোম ময়ুমদা হনখিদো
অমতা পোকপী থাদোইদো
পুকমেন পাওমেন্নরগা
যুবরাজ সঙ্গাই য়ৌজখি।
হে থরাই মঙামক, মিগা থামা তরুবাক,
.... থরাই ঐনা য়ানিংদে।
.... মিরেন ঐনা খোইদাদে
.... থরাইবু ঐনা য়ানিংজে।

ইঙেল লৈ

চীংদা শাংপা ইঙেল লৈ
চিননদনা কেনখিবা
কন্নকই।
ঐনা কেনগে-কেনদেদো
মালংবনা চুবগী
কেনবনি।
মালংবা ঐস্থ কৈদৌদে
লৈরাংনা লৈখোক লোইবগী
কেনবনি।
চীংদা শাংপা ইঙেল লৈ,
ঐখোইস্থ নংগী নত্তৌগুম
পানবনি।
ঙাংবনা থোৌবা শক্লবা
ভাইবং মালং পাল্লিদা
য়াওরিদো
তৌবা ঙম্বা কয়াস্থ
নারক্তা শাংপা লৈরাংগুম
লোংলিদো
অরাবা মুংশিং কয়ানা
পুক্নি ফয়াক থক্লিদা
চুমলিদো।
চীংদা শাংপা ইঙেল লৈ
মুমিংনা খাদা লৈদরি
ঙাইখোও।
ভাইবং মীবু উরগা
য়ুরাম্ব জগোই শাবহ
নিংশিংঙি।
মালংবস্থ কৈদৌদে
ইঙেম্বানা তেনবনা
কেনবনি।
নংনা কেন্নবা শাংপগুম
ঐখোইস্থ থুনা শিনবা
ঙাইবনি।
ঈপাক্তা কোঙোল তাকপগুম
পুক্নিগী ঈপাক থক্লিদা
তাক্লনি।

তোম্ব লাইজিংলেম্বী

(নিংথৌকান্দা কৌথংপদা)

মাংদা শংকারবা, লোক্তাকী ঈশিংদা,
ঈথক্তা জগোই শারিবা।
বসন্তনা ওইবনে, হৈরাং লৈরাং অপুম্বা,
অনৌবা য়েম্লিং চুনগে।
(অয়াম্বা) থংনদবা চেক্লাস্থ

খুনগী পোম্বীগা চিন্নোক্না
ঈথকী ফৌরোই য়েংহুনা
জগোই খোংলে চানবা— খোংজন্নি।
অসুঙৈগী কানসিদা লাইজ-নিংথৌ লোক্তাক্লা,
সনা মচু লময়োৌবী, হুমিংকী অয়োইবা মশেক্লা
নৌনা লৈতেংবগুম নিংখিখি।
থয়ো থাংজিংগী মপান্না
কোঙ্গোন থিনবগুম ফজখি।
লোক্তাক ঈপাক তোর্ব্বান্দা
অশংবা তিংথৌ মথক্তা
সুন্না তোম্ব কৌবীনা ঈথকী জগোই য়েংহুনা
মিংসনা থম্বাল অনিদা
তরংগী লাইজ শিন্নখি।
থানিন থাজ মাল্লবা, মায়খোং থম্বাল নিংথিবা
অয়াবগী লৈচিন্না কুপলিবা।
থমোইগী থুপ্পবা লকান্নুংহুদা
পুঙমত্রবা অয়াবগী ঈচেন্না
মাইথোংদা চেনবগুম উন্নিবা।
হৈরাং লৈরাং পুম্বনা, কপনবা শিম্ফোং শীল্লিবা।
পোম্বী চেক্লাগী কোলোইনা, অমা তেংথারোল ওইন্নিবা।
(তৌইগুম্বসুং) মাগী নিংজবগী লম ওইন্নিবা
মশাখি থাংজহল্লবদি
মাগী বাবম্ন খংবিদ্রে।
লাইনা নমলবী সুন্নাগী
অশাবা মিংকী লাইজবু
অনৌবা পুনসিগী, অমম্বা মপৈন্না
মাইকৈ তন্না, কুপলিবা, অমুক হন্না উদ্রা?
নাখন্না লান্না বংন্ত্রিবা, সুন্নাগী বাবগী মশাকসি;
উদবা কমানা খংগনি?
নোংদম থিবা বিধাতা।

লৈরাং শিজারৈনা তৌবগুম
নুরাবু কেয়বা শাবরা ?
ঈথক্তী অগোই ফজুবা, অমুক হন্না অরোই ।
ম্যাংগী লিলাগী কুস্রাক্তা
অনৌবা শকুকম উন্নরোই ।
শাবি ইবুংঙো মুংশিবা
ওসিদি অরোইবা বিদায় পীখিরো ।
লৈরম্মবদি নহাকস্তু, থাইনবগী পুংফম অসিদা
পি মরিক থরদং পীত্তুনা,
থমোইদস্তু, চোৎপা ওমগনি ।
হৈরাং লৈরাং পাম্বীদা, লাইজ নৌনা চাইবগুম
নিংশিংবগী ময়োন চোংগনি ।
ফরে ফরে পাম্‌বা, ঐগী থম্মোইদা চাক্লিবা,
অরাম্বদি উন্নিরোই ।
নুপী ওইবী ঐখোইগী, অপুম্বা থম্মোইগীনুংঙুবা
প্রেমগী ধারা চেল্লিবা নুপাদা কাওবা হৌনদে ।
মাহু করিগুম্বা ফাওরকদি
ঐগী বাবদা থাকিনু ।
মোইরাং ভুরেল য়াজংবী
নুরানা কন্নদা নোক্লরি ।
ভুরেল্লা মিনুংশি থংবরা ?
নুরাগী বাবদা থৌশাদে, নুমিৎ চিংদা থাংথরে ।
মাহুগা পালোইনহুনা, নুংঙাইবা নুমিৎ তাখরে ।
চৎপ্রবা নুমিত্তি কথরে ।
লাক্লিবা নুমিত্তি নুরাগী সাক্ষী ওইররোই !
থমোইগী বীনা মরীদা
মুংশিবা কোনোই শরুরোই ।
তৌইগুবস্তুং ঐহাক্তি, থমোই লাইনুংথক্তা
পুন্নমক য়েক্নুনা থমজগে ।
ঐগী অমকপা নিংশিংবা প্রশেক্তা

মংগী অইংবা থমোইগী লম্বীদা
কৌহনা লাক্লবা মতম্দা,
নহাকস্থ ঐগুম্না, মতম চারে থম্মুনা
থমোই মুংদা, মুংশি কোলোই শক্লন
অরোইবা বিদায় পীখিয়ু।

লোক্তাক মপান্দা

(১)

ভসিদি পুন্সিগী অনৌবা ঈচেন্দা
অনৌবা ঈথক্লা হৌরক্লে
রাথনগী ঈপাক্লা, অরাংবা ঈরৈনা
পুক্লি বু থুঙ্গাৎনা কাররক্লে।
মৈতৈগী ঈপাক্লা, মাংদা ভানবহু
ইমিৎনা উজবা ফংজরে।
মৈতৈগী ঈপাক্লি মাংদা ভাললিবা,
ঐথোইগী লোক-তাক হায়বসে।

(২)

ঈয়াইদা শাৎলিবা ফজবা লৈরাংনা
উবদা মিৎয়ম্বু হোংদবা,
মরক্তা তারিবা, নিংখিবা চেক্লামা
মুংশিবা কোলোই শক্লিবা,
খুনগী পোম্বীগী, বাত্রবা পুকৈনি।
অরাম্বা চিঙ্গাহা থক্লবা।
মৈতৈগী ঈপাক্লি, মাংদা ভাললিবা,
ঐথোইগী লোক-তাক হায়বসে।

(৩)

নামীবা হুংশিংনা, ঈথক্তা হুম্বদা
ঈথক্লা জগোই শারিবা।
হিথক্তা জোংহুনা, খুনগী ইমাশিং
ঈনগী জগোই লৈরিবা।
ঈথকা চাননা, হুংশিবা কোলোইনা
নোংগী তাম্বাবু পীরিবা
মৈতৈগী ঈপাক্লি, মাংদা ঙাললিবা
ঐখোইগী লোক-তাক হায়বসে।

(৪)

থাঙগী খুঙাওনা, কল্লাংগী হৈকোম্বা
নিংথিবা হৈরাংনা ঙাল্লিবা
হৈকক্তী য়েল্লিনা লৈরাংগা লোইননা
খুনগী কোইবদা শাংলিবা।
অয়াম্বা চেক্লানা ফৈরাগী থকুম্বা
হুংশিবা কোলোই শক্লিবা।
মৈতৈগী ঈপাক্লি, মাংদা ঙাল্লিবা
ঐখোয়গী লোক-তাক হায়বসে।

(৫)

কুইনা নিংলবা পুক্লিংগী অপাম্বা
ঙসিদি থুংজবা তারেদো।
হিথক্তা তোংহুনা ঈপাক্তা তৌবগুম
নোংগী জগোইবু শাজগে।
নিংজবা থুংহুনা ফিংলুগী মাপোমদা
তমংগী লাইজবু শিংগে।
মৈতৈগী ঈপাক্লি মাংদা ঙাল্লিবা
ঐখোইগী লোক-তাক হায়বসে।

(৬)

ঈয়াইদা থুংবদা, মপুগী নিংখিবা
গুণবু উজবা ফংহুনা,
ঈথক্কা লোঈননা, নৈরিবা পুক্লিংনা
মপুগী গুণবু খংহুনা,
ঋাংলবা খোজেন্না, মপুগী গুণবু
শক্নুনা পুক্লিং পেন্নসি
মৈতৈগী ঈপাক্লি, মাংদা ঙাক্লিবা
ঐখোইগী লোক-তাক হান্নবসে।

ফৌওইবী লাইরেম্মা

ভিক্ষা হাপও ইমাও।
খুঙ্গং থুংনা চৎলুরে
তাংলো য়ান্না থেংখরে,
লুরাং পঞ্জি য়োরুবে,
পঞ্জি তালোই চিঙ্খিবী
পীনিংদনা পীরকপা,
হাপ্নীংদনা হাপ্লকপা,
অমুতস্থু ওইসঙ্,
ভিক্ষা হাপও পলেমও,
খুঙ্গং থুংনা কোঈরুরে,
ভাংলো মতাং অসিদা
পুক্লিং পেন্না কণ্ডুনা
খুমন মণি মমানা
ভিক্ষা পনবা তৌহৈদে
ভিক্ষা হাপলো ইমাও
নৈত্রবস্থু থিরকউ
কোরৌ মৈবুন হোৎরবা

নোংমগী তাজব'হুনা
ভিক্ষা হাপও লাউ।
কনাদগীস্থু লৌব্রক্তে॥
মুংশি হৈবী ইমাও।
তাঙ্গাদবনা ফংলক্তে॥
নীংঙাই পংঙাইদবীনা,
কাকী চীঙ্গাক ওইহৌরে॥
কনা নৈতে হায়হুনা
লুগী মশক ওইরে॥
ভিক্ষা হাপও লাউ।
কনাদগীস্থু লৌব্রক্তে॥
ইমানা পীবা ভিক্ষানা,
চরা নোংখন-নজগে॥
মচা মণিবু কৌহুনা,
চিঙ্গোই মপাউ তারক্লে॥
ভিক্ষা হাপলো লাউ।
চাত্রবস্থু মুংঙাইসি॥

তাংলৌ লৈশিনখয়েদো।
পীহ্নবা পুক্লিং পোন্নসি।
চাক্লবস্থু থনগনি৹
খুমন মুন্না অভাংবী
ওক্লোইদবা চেংকুদা
তাংলৌ চাদনা লাক্লবী
জয়বু ওইয়ু ইমাও!
থৌজানহৈবী লম্মিনা
বাহৈ অসি হায়ন্থনা৹
ননাইগী মফমদা৹
অমোংপা নমথাংহু
খুমন গুমাং মথৌবুং
লুবাং পখিন্নঃ চেন্দুনা
"ঐবুদি নংলা তাঙ্গোক্ল৹
ঐগীঙাক্তা [illegible]

থৌজানগী খুদম উৎনবা
লামই কৌবা হায়গন্থু।
মেরুক ত্রম্না খিজখি॥
কোত্না খরা কংবহু৹
চাকনিবীদা হাপচখি॥
অব্রাং অপা লৈগন্থু।
তাঙ্গাদীমু ওইসন্ন॥
ফোওইবী লাইরেম্বী
থৌজানবীগে নিংলবী
মফমহুদা কন্দুনা
ফৌগী চীংহুম শাহৌরে॥
খুয়াখাদা তুজখি।
ঐদি লৈবা ওম্মরোই"॥
কান্নবতম্থ য়েংফদে।
নাহাকীদা লাকপনে॥

লমদী চেক্লা অমদা

রাজোই খুরুপ থৌহ্নুনা হুংথিল কোরৌহনবনা
নোংচুপ চীংয়া তমথরে।
লাজোল য়োৎলম ফাৎলম্বা য়োৎলৈ নোংথাং শাবম্বা
ওয়া মশিন থাথরে।
লাইজ ঈশৌ লাংবদা মলন্না হুংশিৎনা রৈবদা
পুক্লিং হুকচাং ঈংনরে।
অঙানবস্থ লোইস্ত্রিছৈ অমম্বস্থ লাকত্রিছৈ
কাওরেন কোঞ্জন মতমসে।
নাইতোম তাবা চেক্লানা গুরু ফাম্থোং থেত্নুনা
লৈমা জগোই শারম্মী।

পদ্মৌ শুমাং ময়াইদা   বৃন্দাগী খুত্তম মনাক্তা
কোলোই মপাউ তারম্মী।

চীমাইদবী মরুপও   ভাইহাক্তস্থ ভাইখোও
লমনাইরবা মালংনি॥

কনাগী য়াথং ইন্দুনা   কনাগী খুত্থং লীহ্না
নপাম লমদম য়েঁৎগনি।

ঐনা হায়জবা অদনা   নাইতোম পাইবা চেক্লানা
মিয়েং কারন লাহোকখি।

ইঙুং শোরানা তৈকনা   ইমুং ফমজাও মথক্তা
খোমলেন য়াভাগে লাকখি।

তাইবংমালংস্থ লাল্লবা   খোমলেন তুমথুনস্থ হন্থিরবা
অস্থৈগী কানসিদ।

থাবমা ইপোম হোৌরবা   শংকানরা মালংদা
লাইগী অগোই শাবীনা॥

চেক্লাবু তরাম ত্তোহ্না   লুংশি খুজাও কোহ্না
চেক্লা কাটদোংফম পীনখি।

নাইতোম তাবা চেক্লানা   কৈরাথক্তা তোংহ্না
কোলোই মপাও তাক্লকই।

ওসাইদোনা নিংখিজে   ওসাইদোনা মরুজে
পংনা পাল্লি তাইবংও।

মপুগী লৈপাক' লুংসিদা   হীরম থোঁদোক থুদিংদা
কনানা লমজিংবিবগে?

হয়েংস্থ শোইদন অরাকে   ওসিদোনা পাইরকে
মপুগী মগুণ তমলগে॥

শামুফাবা

ঈমুংশোরা ঐতবদা, তেখাওগী প্রজা অপুনবা
খোইরেনতাকী লময়াইদা, মোইরাংগী
প্রজানা তৌবগুম, শেংকদবা শেংতনা,
অরাংবা শগাইথকতুনা, ওয়া কাখৎনখরে।
তেখাও স্বর্গদেবসু, পীথোকখরবা য়াথংসী,
পুকনিং লাংতক্কনা, শগাইতয়া কাখরে।
লাইরিকী মরোপ্তাবদা, অওইবরা থংদনা
চংজরকপা মী'সিবু মতৌ করম হাংকবা।
মৈতৈ নিংথৌ হায়ব'সি লাইনা থাবা নিংথৌনি।
পৃথ্বি ওস্বা অর্জ্জনগী বংসনি হায়বসু ঙসিদি
লৈপাক'পুম্বা থংসনু। অমুক থাবা তৌররোই।
অসোমদা, লিক্লাই ইবুংঙো নিংথৌরেল,
ভাগ্যচন্দ্রা মহারাজ, অয়ুকী হৌনবী লোইহনা
খোমলেন মংলাংচান্দুদা মবুঙো শ্রীগোবিন্দন',
মংফাও-নবিরম্বগুম, "তিলকধারণ" তৌহনা
য়েৎনা মালা চৎতুনা, ওইনা চামর পায়হনা
লাঙোইকোনবু তমহনা, লোইরোইনা চঙঙকপা,
তেখাওগী প্রজা'পুম্বনা, ভাগ্যচন্দ্রবু উবদা
চৌনক্কেন অমতা ওইনা, পাম্মুইদা শোয়খি।
তেখাওগী স্বর্গদেব, ওংবাক্কা খুখশিংহৈতেদা!
মতম ঙক্কিনা য়োক্লবা, চংজরকপা অতিথি
মতৌ করম হাংকবা! জয়বু ওইয়ু
ইবুঙেঙা! লাঙোই লমশা'সি ফাহনা
নরৈপাক্তা য়োজব', গোবিন্দনা কৃপা তৌসনু।
ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌনা লৈম নিংথৌনচিংবদা
ভক্তি খুদম উচ্চরম, লাঙোইকোন্দু
তমহনা লোইরোই লোইরোই চংজখি।
মচুম তারবা লমশাদো, মীগী ইনিল

কংবদা, নোংন খাকপগুম ওংহনা
ভাগ্যচন্দ্রবু তমহনা চেন্শিনখি।
ভাগ্যচন্দ্রবু উবদা ময়া লৈপাক্তা
য়েশিন্দুনা মনাক্তোন ক্রিয়ান শাহনা
মাইথীরে হায়বা তাকপগুম,
ভাগ্যচন্দ্রনা লাকপা ওাইখি।
তেখাও লৈপাক'পুম্বনা, মাংলে মাংলে
হায়হুনা, অরাবা তেংথানখিদো।
ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌরেন শামুগী
ময়া অনিদা খোংথা তম্ন ওইনরে।
লাজোই শামুখক্লদা শ্রীগোবিন্দ ইবুঙো,
ত্রিভঙ্গ মূর্ত্তি ওইহনা, মুরলিনা খুত্তা পাই
ধরা চুড়ানা লৈতেংহনা মনাইদা দর্পণ
পীবিখি। ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌরেন,
মিংলু নাপোম অনিদা, তরং লাইজ
শিন্থখি। লাঙ্গোইগী য়াত্তোন্দা লেপতুনা
পুক্লিং তুক্কুং হরাওনা চামর থৌগন
তৌজখি। মবুঙো চিংনা য়েংলগা,
প্রেমগী ধারা শিন্দনা মালেম লৈমাই
কুন্দ', মুচ্ছা ওইহনা তাবদা
তখাও লৈবাক'পম্বদি; গোবিন্দব
উদবনা মাংলে মাংলে শোয়খি।
শব্দ থিবা কংদবনা, মালাজাপপুই
তৌদনা, গোবিন্দগী নামবু শোন্দুনা
লাঙ্গোই মথুবাক্তা, শিরগে নিংলবোই।
শামু লমশা অহনা, ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌবু,
লাঙ্গোইথক্তা থাজংতুনা, লোইরোইন
খোরকই। জয় ওইরে জয় ওইরে,
ভাগ্যচন্দ্রনা জয় ওইরে।
লৈপাক'পুম্বা লাইগী বংশনি
হায়হুনা ভাগ্যচন্দ্রবু থাগৎখি।

একলব্য

(অনুবাদ মহাভারত)

নোংমগী কোয়েৌ সুমিত্তা দ্রোণাচার্য্যগী মফমদা
চণ্ডাল মচা মা লাকলম্মী।
হিরণ্যধনুগী মচানি মমিং একলব্য কৌবনি
দ্রোণগী খুয়াদা খুরমখি।
থুবাং চাংজৌ তারানা গুরুদা ভক্তি উত্তুনা
খুৎলাই তমগে নিজখি।
নংদি চণ্ডাল মচানি মিংচৎথিবা লৈহৌনি
তথিবা ওংম্মোই পাঁওথুমখি।
গুরুকৃপা ফংদত্থনা ইকাইয়ুংশি য়ায়না
নারক তম্না চৎথোকখি।
গুরুবা বন্দা চংত্থনা দ্রোণগী মুর্ত্তি শাত্থনা
খুৎলাইগী অভ্যাস হৌজখি।
অশাবা মুর্ত্তি য়েংত্থনা ভক্তিগী লৈরাং কত্তুনা
গুরুভক্তিগী অথেংবা উৎচখি।
নোংম কৌরব মচানা নারক অত্থু তমত্থনা
শাদাম্বা লাকলমই।
পাণ্ডবকী মনাই অমনা হুইগা লোঈন লোঈননা
ব্রহ্মচারীহুগী নাক্তা খুংলরে।
লাঙোই খোঞ্জেল তাবদা মাগী লাইনিং কাঈবদা
তেম্না হুইদা তমলকলে।
হুইহু শিবস্থ লৈতনা তেম্না মশাদা শোক্তনা
খোঞ্জেল থোক্তনা চেন্নকই।
গুরুবা থৌসি উত্থনা পাণ্ডব মচা পুম্বনা
ব্রহ্মচারী তম্না [illegible]কই।
মিংনা করি কৌবনো কনাদা বিত্তা তম্বনো
তাকপিয়ু হায়না পাঈহংখি।

একলব্যনা ইমিংনি দ্রোণদা ইহৈ তম্বনি
হৌজিকসু ব্রহ্মচারী ওইজরি।
বাহৈ অসি তাহনা পুক্লিং খোইরাংনহনা
অর্জুনা গুরু তম্না চেল্লকই।
ময়ানা ভেন চীক্লকপা ঈনা ময়াদা শিহবা
মশাদা শোকপদি লৈতবা,
অর্জুন পুক্লিং মুংশিখি গুরু দ্রোন্দা হঙংখি
চণ্ডালদা অসুম্বা বিদ্যা তম্বিবা।
পার্থগী বাহৈ তাহনা ইকাই মুংশি য়ামনা
বনন্ত তমনা চঙলকই।
গুরু লেঙঙকপা উদনা মালেম শত্থাংনহনা
খুংলোননমা লেপচখি।
ঐবু গুরুনি মিংলবদি নমাংদা লাক্লে ঙসিদি,
গুরুগী দক্ষিনা পীহৌরে।
গুরু'আশা তাকপিয়ু থবাই কংলু হায়বিয়ু
ননাইগী পেনবা ওইগনি।
মরাহৈ'হু তাহনা পুক্লিং ক্লুম্বংনহনা
য়েংকী খুবী নিরকই।
মাইথোং লাংবা তৌদনা য়েংকী খুবী ককল্লা
গুরুগী খুয়াদা কৎচখি।
গুরুবা দানসি উহনা স্বর্গগী লাইরাম খিবিক্লা
লৈরাং খুজোক চাইথখি।

(কাশীরাম দাস)

য়াকচৌংগী লৈরাং

(১)

নাইতোম শাৎপী লৈরাংও।
শামায়মসু লৈত্রবী লৈমায়মসু য়াওত্রবী
নপিজা কনা কাঙনহনা
লমনাইত্রবা তাইবংদা।
লমহুকনবগুম লৈহৌরে

(২)
তোমশাংনবী শীঙেনও।
রাকচীং থানা লাকপদা, উননা লৈমাই খুপপদা
নপিজা পুম্বা কেনখয়ে।
শীঙেন কনাবু য়েংহ্নুনা
লৈরাং তোমশাংনরিবা

(৩)
লাইবক চাউবী ইচল ও।
যসন্তনা ওইরিঙৈ, লৈরাং ময়াম্না তিল্লিঙৈ,
শীঙেনগী শামাম্নবগা,
খোইমু লৈহী চুম্নগা,
করিগী লৈরাং নোকজোদে।

(৪)
শাঙ্চোও, লৈরাং শাঙ্চোও।
শিমিরশি ম্বাশকপা মাংমিরসি তেমশীংবা,
নত্তা কনাদা শিরহ্নুনা
পম্বোগী লৈকোনহুংশিদা
লৈরাংবু হুজেক-লমবোই।

(৫)
হুংশিরবী ইচল ও।
হেকপিনবা লৈতনা, নখিনবা রাওদনা,
চীল্লবা লৈকোনহুংশিদা,
পত্তুনা পুমহ্নুনা মাংখিবা,
লৈরাং য়েখো ওয়জরোই।

(৬)
নাইতোম্ম শাংপী লৈরাংও।
লৈকা চোইনা থীকহ্নুনা লৈরাং লৈবক থংহনদনা
নংগা শায়ারবসিংহ্নুনা
খোমলেন তুংখুন হল্লিবা
কৈজোম্মথক্তা চাইথোক্কে

রাকুচিংগী গুলাপ লৈহুংশি।
ইপিক্লানা কেনখ্রবদা, চাখ্রবা লৈরাং পরেংদা,
চীরবা তাইবং লৈকোন্দা,
লৈরাং নংনা তোৌবগুম্না,
শাংনিংদে লৈরাং শাংনিংদে।

শক্তিশেলনা পান্দুনা লক্ষণ তুরবদা শ্রীরামনা তেংথাবা

(অনুবাদ—রামায়ণ)

করম্বা কত্রবা থেনফমদা, আযোধ্যাদগী লাক্লবা।
পাবুং মহারাজসু যংথরে, জানকীসু মাংথরে।
থবাইদগী হেন্না নুংশিবা, লক্ষণসু শিথরে।
ইমা সুমিত্রানা কপ্লদা, করম্না থেমজিললুগবা।
ফিজিনা পুক্লবা লজিবু, কিশি থোক্তন পুরক্লে।
সমক্ক ইরাংম'সিদা বিধিনা তুংওইনবিরে।
অযোধ্যাদা হনথরগা, ময়ামনা পাউহংলগনি।
করি হায়না তমহনা করম্না পাউথুমলুগবা।
ঈরৈবাকসু পামদরে, জানকীসু নিংলুক্লে।
নংবু নত্তনদি, মীরৈবাক, চাক্লিহনা চাক্লগে।
তাইবং মালং পানসিদ ফত্তবা মিংচং লৈহৌরে।
সমক্কগী ইয়াইহুংদা ঐগী প্রাণসি থাক্লগে।
হৌগৎলো লক্ষণ, ঈনা ওম্না থুমলক্লে।
ঐনা বন্দা চৎপদা করিগী তুং ইনলকপনো ?
সীতাগী মরমগীদমক্তা, য়াইবী থবাই মাংনরে।
সনা তানরা হায়বনু, মণি গ্রাংবা তারেলো।
ঐগী ইনাও লক্ষণদি থরাইগী মণিগুম্বনি।
করি মরমগীদমক্তা, গ্রাবণগা লাল্লোককবা ?

ঐগী থবাই লনসিবু | কম্বীনা হদনা পুথরবা,
পাখোম শিংদিং পাল্লবা | কার্তবীর্য্যার্জুন কোথদো,
ঐগী ইনাও লম্মণগী | পাখোম মথা পোনবনি।
অচুগুবা লম্মণবু | হিংটাবিনা হাৎপ্রবা?
বিধি ব্রম্মা নোংজবনা | কম্মা খীনা তমপ্রবা?
হন্নরোই, অযোধ্যাদা | অমুক হন্নরোই;
করি মুংঙাইনি খন্দুনা | ইরৈবাক্তা হনগবা!
পম্মোগী রাশক ঙাক্লবা | বন্দ কোঙবা লাকপনি।
বিথিনা লোয়রক্তনা থীবনা | মরু, কম্মা, মায়াংগী
(কৃত্তিবাস)।

মৈতৈ লৈবাক

(১)

চীনেবু কোইনা পনথাবা
চীংঙীনা কোইনা পনঙাকপা
হৈরাং লৈরাংগে তিল্লবী | থচু অমনা থোগল্লিবী
(মণিপুর সনা লৈবাকচু।)
খাথন চাউরবা কৰিনী
লীইনা থাবা মফমনি।

(২)

থমক্তী মতমদা
চীংল্লা তমরা পুরদা,
তুংশিংকী কোরোই লেংলা | খোয়ইমু লাবা অমোল্লা
লৈরাংশী থোংলে চানল্লা,
মুথিবা কোলোই শল্লিবা।

(৩)

শরৎ ঋতুনা লাকপদা
[illegible] ইপোক হৌরদা
তামলবা লোইবী চীংথাংদা — মোংরিনগী মতৌ তবদা
তাবনা কৌরা চেরাদা
শঙ্খ স্বরনা খোংলিবা।

(৪)

কনাগী অর্ঘ্যকী ঈমাইদা,
থরো খজাজমা লৈতেংবা।
লমগী চেরা মুংশিবী — মমগী পোৱী নিংথিবী,
লৈরাংগী লক্তা থেক্তুনা
জগোই তান্থা থিরিবা।

(৫)

কনাগী সন্ধ্যাগী মালংদা
অসুস্থা সিন্দুরনা লৈতেংবা।
কনাগী মরম লমলেন্দা, — কাওরেন মজন মতমদা
সন্ধারত্তিগী খোঞ্জেলা
মাইগৈ তরা নিল্লিবা।

(৬)

কনাগী শংবানবা লৌবুক্তা
নামিবা মুংশিংনা হুবদা,
অশংবা ফৌনা মথক্তা — ঊথকী জগোই শান্নিবা।
কনাগী তামথরবা লৌবুক্তা
নিংথৌর্বক্তা শমনবা

(৭)

য়োইবু য়োহেনবা তান্নিবা
শাবী শানৌ অপুম্বা।
খুবাং চাংজো তরানা — ইচু কাইদ লিশিংনা
চরৈগী ফিগাও শাহনা
ইমাগী খোজান নিজন্নি।

(৮)

(পলেম শকপী ইশাক।)

কুমা লোলানহু মিহৌরে,
ফিজেৎ চাকজাহু কয়রে,
ঢীংনা কোইনা পহাবা   হাওনা কোইন পণ্ডাকপা
লৈবাক অসিদা পোকচবা,
লৈবাক অসিদা শিরগে।

লবঙ্গ-লতা।

(ঐতিহাসিক উপন্যাস)

অহানবা মতাং।

কিদম, বাখল, কান্নবা বা, ছাত্রমচা
থাইনগী নৈরাং, বাখনগী ঈচেন
অসিনচিংবা

লেংবা—

শ্রীখ্বাইরাকপম চাউবাসিংনা লেংবা।

অহানবা কোংবা

১৯৩৪

লাইরিক ফংফম

শ্রীগোকুলানন্দ, নীলমণি এণ্ড কোং।

সদর বাজার।

ইম্ফাল, মণিপুর ষ্টেট।

অইবা :—

শ্রীখ্বাইরাকপম ৺চাউবা
উরিপোক শোর্ব্বোন থিঙেন

(খৃঃ ১৮৯৬ জানুৱারী ২২—খৃঃ ১৯৫০
মেরাগী খাশি শগোলশেল)

শ্রীখ্বাইরাকপম ৺মুক্তা সিংহ অমসুং ৺প্রাঙ্গ লৈমা অনিনা মচা তরামাথোই পোকপিখি, ঈশ্বরগী নোংদম থীবনা মচা মাপলদী ঈশ্বরনা লৌশিনবিখি, অয়োইবদা মচে ইবেম্মা, ৺ইবেচাওবী অমসুং শ্রী ৺চাউববু থম্বীরম্মী। খুমহেম নিঙোল প্রীয়ালৈমাবু মহাক্কী লোইনবী ওইনা, (১) সনাহনবী দেবী (২) ইবেয়াইমা (৩) ৺গৌরহরি সিংহ (লোইনবী ইবেমহল) (৪) মুংশি দেবী (৫) ইবেমপিশক দেবী (৬) ইনাওত্ত্রোম্বী দেবী (৭) ললিতা দেবী অমদি মশুশিং ওইনা (১) সোরোজিনি দেবী (২) বংকিমচন্দ্র (৩) বিরলা দেবী (৪) ব্রোজেনবু থম্বীরম্মী।

খৃ: ১৯১৮ দা কলিকতা বিশ্ব বিদ্যালয়দগী প্রবেশিক পাশ তৌরগা খৃঃ ১৯১৯ দা বেঙ্গলী অমসুং খৃঃ ১৯২৯ দা জোনষ্টোন হায়স্কুলদা চহী কুনমাথোই ওজা ওইখিরম্মী। মৈতৈলোন অমদি মৈতৈ সাহিত্য হিংলৎনবা হোৎনবদা অইবগী রাগ্ল, শয়ন, খুবাক—ইশৈগী ইশৈ, লাইরিক ওইনা ফিদম, বাখল, ছাত্রমচা, কাম্বা রা, বাখলগী ঈচেল, থাইনগী লৈরাং, সাহিত্য অহানবা, গ্রামার কম্পোজিসন, ট্রান্সলেসন, লবঙ্গ লতানি। খৃঃ ১৯৪৮ দা মনিপুর সাহিত্য পরিষদনা "সাহিত্য রত্ন" মিংথোল্লা ইকাইখুম্নখিরম্মী।

লবঙ্গলতা

লৈরাং অদু কমাগো ?

বসন্তকী সন্ধ্যায়াচংবা কালনি। নামিব মলয়া নুংশিংনা শুইথোক্তুনবা অবুতী ইচেল অমগা লোয়নননা কোয়্রৌহননবগী মৈচারা পথরমলবা ভাইবংপানগী পুক্নিং হকচাং অপুম্বু চন্দাম থিকপা লৈরাংগুম্না তেকথংহল্লে। মালংবদি হুমলি তৌইগুম্বসু বসন্তঋতুকী ম্যাক্তংলবী তুরেল অজতগী ঈ-থক্তা ঈথকী জগোই শাবা উত্রি। ইম্ফাল তুরেলগী তোর্বান্দনি। অথাম্মদা গুপ্ত হিরাক্কদা, কনানা খাবগী পন্দোম লোম্মত্তুনা নৌগী তাম্বা পীর-পীরহুনা তরেং গুবা খোম্বানা মর অংলো অংলা লাওব্রি।

লোঙ্গী চেক্লা অপুম্বা নুংথিলগী তৌরুগা মথৌ পুন্নমক মাগী মাগী ইমুংদা চ্রিংলোই পাওদমগে গাযবগীদমক মহুম শুম্না পাস্তিশম্নরে। অতু নিংথৌগী থৌগল্লবা নুংথিলগী লৈরাং অপুম্বা অহিংগী মতাশিংদা শিন্নরমত্তুনা থাস্টমগানি হায়বগী অরাবা মৈচাবনা শুম্না মরাই লুকথনরে। অদুম্না অমম্বতু ংক্রিদ্ৰংে, অঙানবগী মঙ্গে শুইরক্নবা নুমিদাংবাইগী কাল, নুমিৎনা চিংয়া থাংবা, চিংয়া খেন্দোং গাংবা, তময়া কোম্নি চেনবা মতম অসিদা য়াঙ্গোই শগোল অমা খুরুপ কননা থৌরক্তুনা মেগ্রিঙৌদা অবুম থৌহৌগে হায়বগী মতাগুম্না কনানো, চেল্লিবা য়াঙ্গোইদা নৌক্তৌ নৌক্তৌনা শাজে থাহুনা থৌরক্লিবা অসে ?

পাথংনি। মরেপকা মঙানগা মরেপা ওমই। যামলবদা চহি কুনমঙাদগী হেল্লোই। মথোক চারকপগী হৌনবী নিংথিবা পুন্নমক বাত্তনা মহাকী থোংল নৌরবা মশাগী কান্নাং খুদিংদা নাংথাংগী ঈচেলগুম্না চেল্লি। নুমিদাংবাইগী কাল, তময়ানা কোম্নি চেনবা মতম অসিদা মহাকী নাময়োবা পূলৈ কুচু অদু উরুরবদি কনানা মহাকপু লাইরেম্বাক্তগী কুমলকপা থাঙ্গেশংবা কামদেব ক্নি হায়নিংঙোইদগে ? অয়েকপমক মাল্লবা পিণ্ডম অনিগী মথাদা তত্তুনা মরোল লোল্লবা মৎলনা অহাঙ অনি অদু উথদা কনাগী পুক্নিং শুমহৎলোইদবা য়াওবগে ? অমুনবা তয়ানবু মজনবা শুইরবা চাকবান্দা মতম পুন্নমক্তা অর্থ য়াওদা মোমোন মোকপগী কিতম উরবদি শকী লৈগেংবা গুণ থম্বা মীগী পুক্নিং অাঙবোক হায়কা করন্না হায়দ্রিপনি ? তেংবানবা অসিদা মজবা চীনা তৌবদি পুন্নমক মজবা চাস্তিথমবত্তা ওই। চুম্নি, কোক্তা রেংলম্বী পীরবা লমথাং অদু ক্তা অনি অমুবালক থোক্তা নোংদোম্পা পুণিমাগী থাংথক মাইপ্রবা থামিমগী ভর্মজনবা ওইবা নুংশিরবা য়ায়থোংদা, পান্দুরবা কানজোইনা চীক্নব, লোমো ক্রদ্ধা আশোকলবা কর্দিংকী চৈতন্য চাটাংলাকথিবদা

মরমাই মীমাং থোয়ব্রবা মচু তারবা লীক, মুংশি শুবা মীগী বায়ায়বা ওইরবা লুতুং তাবা, মুংশিরবা নাতোন, নিংথিরবা নাকোং, মপুরকায়বা পাঘোম, লুনা কজরবা খুবোম, মচুম তারবা খুনিং পূম্নমক অসি উরবদা তাইবংপানবদা শক্লা চংনদে হায়রবদি বাহেগী অরানবা হায়বত্থ শোয়দনা থোকনি। থাওমৈ মৈরিনা অমম্বদা ঙানবত্থদা মৈরানবীগী মথরাইদা থাংবা ওমদরে, মরম অত্থনা ঙাইহাক কোইপাই পাইত্থনা শক য়েংবগী মুংঙাইবা অত্থ কংলগা অত্থদা চেনশিন্দুনা মথরাই থাঈ। ঐথোয় মীস্থ শকী মরমদা মৈরানবীগুম্বনি। লুরবা লাইজা ঈপাক্তা লৈরাং থম্বালনা মকা কনা শাংলবদা লৈরাং লৈশক থঙলগা থোইমুনা হন্দুনা হন্দুনা লৈরাংগী থুহং লী। ঐথোয় মীস্থ থাংজেংবা থোইমুরাবগা করি থেম্নবা লৈবগে? শকী মকমদা ঈকাইবা হৌরাইরা পূম্নক কথোকতুনা শকীদমক ঙাওবসি মীওইবগীস্থ মহৌশানি।

মমত্রিঙৈদা মানা তমলক্লিবা ময়ুম য়োগে হায়ত্থনা হন্দকী পাথং অসিস্থ মুংশিংকী মমাং থানা য়াঙোই থৌরক্লি। তৌইগুম্বস্থং মাংদা মতম চাদনা শাংপা করম্বা লৈরাং উত্থনা য়াঙোই থুর্জ্জ চিঙ্খংলি। থাইরাকপা কোন্দা, মপুগী লৈকোনম্থংদা বসন্তগী লৈরাং অতৈগা লোয়ননা শাংলিব লৈরাং মানবী মুরা অসি কনানো? শকত্থেনবা পাথংও। য়াঙোই শাজৈ থাও, লৈবাকী অস্থং লুরবা থবক্তা নথক্ক। য়ানত্থনা লৈরিঙৈদা শকীদমক ঙাওগনু, নংস্থ মৈরানবীগুম্বা শকীদমক নথরাই থাগে হায়বরা? পাথং অত্থস্থ পাইমম্থংদা থক্লি; নিংথৌগী অরুম্বা থবকা, থাদোকপা য়াত্রবা শকা চাংদমৈ লমীথৌ, লমহুম হন; তরা থৌ, মাপল হন। মতুংদা লৈরাং লৈথোঙ থঙলমলগা নিংথৌগী অকনব থবক্তা চিংখিত্থনা য়াঙোই চুপ্লী থাথরে। তৌইগুম্বস্থং মাগী লাওলবা পুক্লিংনা তত্তনা হংলি- লৈরাং অত্থ কনানো? য়াঙোইস্থ মুংশিংকী মমাং থানা চেল্লি, শকা মায়বা পুকচেল চেল্লং পাথংদো নিংথৌগী অরুবা থবকী ইকাই খুম্নবা ঙাক্লবগী দমক ওমক্জরবা শক্তী লাংবু হন্দোকতু চেন্নক্লে, তৌইগুম্বস্থং মহাকী থম্মোয়গী থুপ্পবা মফমদা কনানা অতংপা লৈতনা হংলি—

"লৈরাং অত্থবু কনানে

মণিপুর রাজদরবার

মুমিদাং সন্ধ্যারতিগী মতুং ওইরগনি। নিংথৌগী শঙাই মাঙোন্দনি— মহারাজ থগেন্দ্রজিৎ সিংহাসন্দা, য়েত্তা মনাও ইবুংঙো থাইরাকপা অমস্থং মন্ত্রী; ওইদা মনাও ইবুংঙো রাউকুল লাক অমস্থং ধনঞ্জয় পণ্ডিত, মাংদা লৈবাকী অঙল অথৌ পুম্নমক। শঙাই মাঙোন্দা হয়িং পাইং মকম য়োনা হাংলমদে— তৌইগুম্বস্থং চেদা য়েকপা মুর্ত্তিগুম্বা কনা অমত্তা লেং-য়োংপা তৌরমদে পুমচীক চীকথরে— থক্তা চাম নিপান লোংলবা দেবানগিরি থাওমৈনা ঙী ঙী চাকলি। তিরমতি মী পুম্নমক লাংশিজবা নিংথৌগী সনামাইথোংদা য়েংলত্থনা সনায়াথং ঙাইত্থনা লৈরমী; অত্থ

নভম ফয়া মরুম হৌঞবদা মাইথতনে লোয়শংদা অচানবা যুথকী খুং য়েরক্রে— শজাই,"য়াজোনসু য়েকী পুং থিনবা ভাঁরে। অতুমক্তদসু থোংলোন মথং মথং লাওনরকুনা শজাইশংদা য়ৌরক্রে ;— "য়াম্বা' শজাইশংবা, থুমিদাংগী যুথক য়ৌরে।" অদুম্না থুমিদাং তাংলৌ লৈশিল্লক্রে হায়বা উরহুনা মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা সিংহাসনগী হৌগৎলহুনা হায়রকই। "ঙসি ইনাও অনিমক, বড়মন্ত্রী অমসুং নজর পণ্ডিতঅচিংবা লৈপাক্কী অঙম-অথৌ অপূম্বা তিল্লে। ইনাও অনিমক তাবিয়ু, ইনাও অনিগী পথোমগী পাঙলা ঐনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লিবনি; বড়মন্ত্রী অমসুং পণ্ডিতসু মুন্না" তাবিয়ু, উপু মন্ত্রী অমসুং পণ্ডিতনা লৈবাক ঙাকপদা ঐগী য়েংকী পাম্বোমগী মশক ওইরিবনি; লৈপাক্কী লুচিংবা অঙম-অথৌ পূম্নমক তাবিয়ু— নথোয পূম্নমক্না পাংবিবতনা ঐনা নিংথৌ ওইদুনা পাঙবা যতম অসিদা ঐথোয়গী মণিপুর সনা লৈপাক অসি য়েক্ক তিঙ্খং লৈতরে, য়ামত্রবসু থরঁদংদি চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিল্লক্রে হায়রবসু য়াহেংগী অরানবা থোকনি হায়বা নিংদে। হৌজিক সভাদা ঐনা হায়জ- নিংবদি অতৈ করিসু নত্তে; লৈপাক অপূম্বসু নিনযুং নিনযুং থন্না থন্না মতাম্রে— ঐনা হন্দক ঐথোয়গী লুববা বিন্দু সরোবরদগী অঙকপগী মশক ওইরবা থাং অমগা তা অমগা মঙঙরে; মাসিবু লৈপাক্কী অচৈ-অশিং পূম্নমক্না তম্নীংঙি। মাসিখু লৈপাক্কী অকবা ওইগদ্রা (অকবদি ওইসনু) থম্নজনীংঙি। ঐ অমা মাংথিবদি লায, তৌইশুবসুং ঐথোক অপূম্বগী লুংশিজরবী মণিপুর সনা লৈপাক অসিগী করি অমঙ্গল থোকত্রা (থোক্তবদি ওইলসু) হায়না অহিং'লুংথিল অনিদা ঐগী পুক্লিং অসি য়াম্না চিংনরে। ইনাও অনি পাত্রমন্ত্রী অপূম্বা, লৈপাক প্রজা অয়াম্বগী করি মত লৈবগে থংজনীংঙি।"

মন্ত্রী — লাইনিংথৌ। মতুগীদমক করিগী সনা পুক্লিংদা চিংনবিরুবগে? নবুথৌ পাথংবনা থৌজানবিহুনা, য়েক্ক-তিঙ্খং পূম্নমক মাংহন্দুনা লৈপাক ঙাকপা ঙম্নবা পীবা খুৎলাইনি।

খাইরাকপা :— লাইনিংথৌ। মাতুগীদমক করিগী সনা পুক্লিং তয়াং জায়াংবিবগে? হন্দক্লা ইবুথৌ পাথংবনা য়ামবুং মহারাজবু চানবি হাযবা থংজরে।— হৌজিক মহারাজগী য়েক্ক-তিঙ্খং অপূম্বা শোয়রদনা মক্ক ফংনা মাংবা ওইরগনি।

য়াইকুল লাকপা :— লাইনিংথৌ। থুমিদাংদি ওইরে— অতুম ওইনমক মহারাজসু লেংশিল্লে, লৈপাক্কী মপী মপা ওইরিবা পূম্নমক মালিগী মরমগী থজনবগীদমক তিল্লে।— মরম অহুনা ঐগী মঙ অমক্তং তম্নবা য়াম্রে; (ঈশ্বরনা লৈপাক্কী অমসুং মহারাজগী মঙ্গল পীনবিসনু) হন্দক কংলিবা থাং অসি লৈপাক্কী মঙ্গল ওইগনি নিংঙৈ। (মায় নোংপোক ওন্দুনা) বসন্তগী পূর্ণিমা অসিমক ওইরা-তৌই; লাইনিংথৌ পাঙনবনা ইবুথৌ পাথংবগী মফমদা মায়থীবা ফংথি হায়বা পাওজম হিজেন অসিগী মনাক্তা নিংথিজরবা হৈকোম অমমা য়াম্নুং মহারাজনা তাংবন অমদা লেংশিন্দুনা লৈবঙম তৌই; (খাইরাকপদা ওনশিন্দুনা) খাম্নুংশা ঐপনা অরাম্বদা লৈকোন অতুগী নিংথিজবা য়েংদুনা লৈরম্মী।

[illegible] । মৈরোংশু অহু ওযোক্না নিংথিকৈ, হৌবগা মৈরাং [illegible] শুরম্ব সনা [illegible]। সনাগী পাম্বৈ [illegible] মনা—[illegible] । রূপাগী মৈরাং—[illegible] [illegible] [illegible], [illegible], অওাঙবা [illegible] [illegible]। মংগুম্বই হায়রগা [illegible]—[illegible] চাবনা ইফাল তুরেন অসি [illegible] চপ [illegible] ঈশিং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]—সনাগী [illegible] রূপাগী [illegible] ঈশিং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ওাক্রা, ওাক্তিন, পেংবানা [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] রাম্না [illegible]; তাংথক নাইত্রবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]; [illegible] [illegible] তাখিয়ে; অরাপ্পা সনাগী পাম্বৈ, রূপাগী অনৌবা মৈরাংনা [illegible] [illegible] [illegible] মতু অমতংনা মম্না ইংনা পাক্কগে হায়বা [illegible] হায়রুনা, [illegible] [illegible] অতুং ওযোক্লুনা পোক্পা পোত্থানা তেংথারি। নোংষিন হায়বা উচেক অহু নাকোংবদি তারে—তৌইগুম্বসুং মিংনদি থক উত্রি। অদুগুম্বা অহুনা নোংষিন হায়বা অহুনি হায়রুনা উচেক অনিদং নেমকপা [illegible] [illegible] [illegible] মতোন্দা তোংবা উই। মশা অপুম্বা সনা ওাক্কনি, মচীল অহু পদ্মরাগমণিনা থাপ্পি মথা অহু নীলকান্তমণিগী মচু মায়ি। উচেক-মতৈ-মনাও অনি অহুনা মম্না কাথোক্লুনা থাজগী শিক্ষরক্লিবা অমুক মায়ক্ষী। মাপুং মহারাজনা উচেক অনি অহু মাগে হায়রগী মতাংদা তেক্লোংদগী তেন শথরুনা [illegible] তৌরম্মী। উচেক অনি অহুনা মাপুং মহারাজনা তৌগংকৌরিবা থবক অহুগী মরম [illegible] মীওইরগী খোঞ্জেল লাওরকই, "মহারাজ! থুনা তেন [illegible]; ঐখোয় অনিগা য়েক্নবদি মহারাজগী [illegible] ওইরোই; অমসুং থরাই পাম্মুরবদি থুনা ঐখোয় অনিনা পীব্রিবা ইতু অসি লৌশিন্লো। মাংদা মহারাজ তম্না চেনশিন্নকইবা মচুম তারবা [illegible] অসি উদত্রা? ঐখোয় অনিদা মরম লৈতনা তেম্না থাগে তৌবা অসিগী মহৈদি তুংদা থংলকনি।"

অসি হায়রুনা মতু অনিদং থিকথরমলগা নোংষিন অনি অহু পাইথোকখিরম্মী। শামু লমশানা নিংথৌ তম্না চেনশিন্নকপা উরুনা য়াক্লুনা 'মহারাজ পোক্লরমি' হায়রুনা চেনশিনম্মী, ঐহু য়ামবুংগী তুংদা চেনম্মী। তৌইগুম্বসুং মচুম তারবা শামু লমশাগী অকনবা শাফু অহুনা থাংবা ওমদুনা ইচিন-ইনাওমক চেনথোকপা তাখিরম্মী। তৌইগুম্বসুং [illegible] চেনকম লৈতরুনা ইফাল তুরেলগী ঈশিংদা তোংথরম্মী। শামুনা নিংথৌ সনানাক য়েংবদা [illegible] ওাইরবদা য়ামমুং মহারাজনা উচেক মতু অনি অহু [illegible] [illegible] থোংজগা শামু তম্না থাখিরম্মী। উচেক মতুগী তেন [illegible] হেক পানবদা শামু অহু [illegible] তৌরবা রূপাগী লাংজা [illegible] ওন্দুনা মহারাজ তম্না পাইশিনবি। উচেক মতু অমা অহুনা অমুক [illegible] [illegible] মহারাজনা লাংজা [illegible] [illegible]। [illegible] পানুবনা লাংজা অহু মখি মতুম অমা ওইরুনা তাখি। মহারাজনা মখি অহু [illegible] তৌবদা ঐদি ঈশিংদা লুপ্পরুনা মতুং অদু উচেকদগী ঈশিংদা [illegible] ঐহু নিকপা [illegible]। ঐগী মত অসি [illegible] [illegible] থনবিয়ু—ঐদি (ঐগী [illegible]) মহারাজগী [illegible] লৈপাকী [illegible] ওইগত্রা হায়না নীংজৈ।

ধনঞ্জয়— মনাও ইবুংঙোগী মঙ অসি মহারাজগী অমসুং লৈপাক্কী অকনবা এইগী নীংজে। থৌইদোকপদি মহারাজগী দশা মতানসু—

কুরুতেহ পূর্ব্ব সৎপুত্রং তপঃ খ্যাতিঞ্চ পৌরুষং।
গজাশ্ব বাহনং সৌখ্যং স্বাদশায়াং বৃহস্পতিঃ।

হায়রবা অদুসু তারি। অদুগা প্রত্যুত্তরদদি খ্ বা—

তৌইগুবসুং ধনঞ্জয়গী বা লোইহ্রিণৈদাথোংঙাকপা নিপা অমা থরা ফংলগা চংলকুনা লাপলগা মনা মাংদা খুরুমজুনক কুমুনা বণ শানা খুং জোড় তৌদুনা মনায়াথং ঙাইরি। মাহু উরবদা খাগেন্দ্র মহারাজনা হায়রকই "পণ্ডিতকী বা মরক থায়না ঐনা কল্লিঙুবা অমতং হায়মিংত্ত— থোংঙাকপা অমিনা লাকইবা অসি কনা কিংনা লাকশগুম তৌই। দ্বারী। কল্লি হায়নিংবা লৈবগে?"

দ্বারী— মহারাজ। লানগী পাওনি হায়তুনা শগোল তোংবা নিপা অমা থোংদা থুংগরে। পনবা য়াবা নত্তবা মাংগে হায়তুনা ননাই য়াম্বগী য়াথং লৌদুনা ননাই ঐহাক দরবারমক য়ৌনা চংজরক্রবা অসিনি।

মহারাজ - কল্লি দ্বারী। নিপা অদু থুনা পুশিল্লকউ।

সভা অদু অমুক পুমচীক চীকখ্রে মী পুম্নমক মোংলোবীনা লাইজ ঈর। ঙাইথগুম্না থোং- লোমদা চপ মান্নবা য়েংদুনা লৈখি। দুন্দকী লানগী পাউ পুবকই হায়রিবা নিপা অসিনি ঙলাই ইম্ফাল তুরেন মপান্দা ঐথোয়গা উনপ্রবা শকহেনবা পাখং অদুসি হায়বা লাইরিক পাথিরিবশিন্দো লায়না পান্দম ল্যাকপা ভক্তিগনি হায়মা নীংজে। মাগী মমিংদি "লবঙ্গ" কৌই।

লবঙ্গনা সনামাং তান্না অপনবা লৈতনা চংশিল্লকুনা সনা চরণদা দণ্ডবৎ প্রনাম তৌখি অমসুং খুংলোররতুনা সনা য়াথং ঙাইখি।

মহারাজ—ইপা নংবু কনানো? নংনা পুমকই হায়বা লানগী পাও অদু মফম করদদা য়েক্রবা কনানা লান্দারক্লবগে থুনা তমলরো; ঐহাক অমসুং রাজসভা অসিদা তিল্লিবা মী পুম্নমক ওলাংথাদা নোংলোবীনা লাইক শীঙ্গা ঙাইথগুম ঙাইদুনা লৈরবনি।

লাবাও পুরকপা নিপা—মহারাজ। ননাই ঐহাক ককচুং কৈয়োই ল্যাকপগী মচানি। ননাই চুগী ইমিং লবঙ্গ কৌই। মণিপুর সনা লৈবাক অসিদা থাগিনা লান্দারক্লে: চীথ্যে চীঙখাংদা লাম্বন শান্দুনা লৈরে। মাতুংদগী লমলাই। ককসুং পৌরাবমচিংবা মফম পুম্নমক অসিদা চানবা নীঙাক ভাদুনা মফম পুম্নমক অসিদা লৈবা মী পুম্নমক অমতা চথোক চংখিন তৌদনা থিংদুনা থমজ্রে। মথোর অদু মী কাওবা চায় হায়না তায়; কনা অমতা সনা কোংসু তান্না প্রাও অসি পুবিনবা মী থিকম বংজ্রে। মরম অসিনা কনাগী থৌইনশিন য়াওনা ঐখু লোকপা পলেম পন্থৌ কাওবা তাক্লমদনা লৈথাকীদমক শ্রীযুৎ মহারাজশীদমক থবাই থারবসু থাক্লগে হায়দুনা চেঙ্করক্লিবা অসিনি; ঙক্তি তুমিং তুঙ্গি অসি মফম পুম্নমক অসিগী প্রজা অপুবা অবাবগী ঈপাক্তা তাদুনা লৈরে।

মহারাজ—বাবাজীগী বা মরক্তা থংবেঁ; হৌজিক অবস্থানা য়াম্ব্রনিনা বা অহু শম্মুজিত্রা তাকপিরো।

ধনঞ্জয়—পুন্নমক মহারাজগী অকবা ওইগনি। শ্রীযুৎ মহারাজনা হুংজেং পুক্কিরগী থাং থৌবোম্বা থাংগুনা তা কংগনি হায়বা অসি পুরাণদা লৈব্রা বানি। হৌজিক্তি থোকদৌরিবা লান্ন অসিগী মরমদা অঙম-অথৌ পুন্নমক্তা থম্নবিরো।

মহারাজ—ঙসি তিন্নিবা সভা অসিদি মরম অনি থোক্রা কাম্নবা হায়বহুনি। লৈপাক্কী লুচিংবা অকুন—অথৌ পুন্নমক মৈতৈ জাৎকী ইকাইথুম্নবা ঙাক্লবগীদমক অমসুং এথোক্রবী মুংশিল্লবী পুলেমসু মণিপুর্ন স্না লৈপাক অসিবু তমশিন্নকইবা য়েক্লবা অসিদগী কঙ্গলবগীদমক অমুক মতম মাংহনবা তৌবিদনা মতিক চানা শেম-শাবিরো। লানগী পুং থীল্লসনু-মাইকৈ মরিদা শগোল পাও চেন্নসনু। ইনাওতোন য়াইস্কুল লাকপনা পাও পুন্নকইবা অঙাং অসিগী চান থক্লবা থৌরাং তৌবীয়ু—মতুংদা মতম চানা মহাক্কী মনা পীসি।

অঙম-অথৌ ওম্না লানগী নোংমৈ কাপলে মাইকৈ মরিমক শগোল পাওনা নিল্লে—"লৈপাক মচাশা। থায়েন চৎপা শেৎনিংল্লো? হোলাই কৈনা তোংনিংল্লো? নল্লেপাক ঙাক্লবগীদমক য়েক্লববু হাৎলো নঙ্গগা থরাই থারো; মৈতৈ ওইনা পোক্লনা মৈতৈগী ঈনা নংগী শিংনীদা চেল্লিহৈদা নুল্লেপাক্কীদমক থরাই থাবা পাম্নবা"—

জননী জন্মভূমিশ্চ স্বর্গাদপি গরীয়সী

শগোল তোংবা প্পাথং অদুবু কনানো?

মনাও ইবুংঙো খাইরাকিপগী লৈকোন হায়বা অসি "মতম অহুগী য়েংক্ননবা পোং অমা ওইন থোকখি। মাংদা ইম্ফাল তুরেল্লা খোই-খোইনা চেল্লি, ইম্ফাল তুরেলগী লৈকোল্লা হেক চংবা য়ানব পীক্লবসু চুমলবা লম্বী মচা অমা লৈরম্মী। লম্বী অহুগী নাক-য়েং-ওইদা লেমলপ তৌবা অরাম লৈগী জাং— যাতি যুথি, মালিকা, মালতি, লবঙ্গ কুন্দামুলৈ অসিনচিংবা মনম হুংশিন্নবা লৈর জাং; বসন্ত ঋতু ওইবনা হৈরাং-লৈরাং, পুন্নমক ওম্না অনৌবা য়েনীম্ন হুল্লে। অরাম্বা গোলাপগ কৈদোমদা অশংবা মনা মরক্তা পোম্বোম শাৎলবা লৈরাংনা সনাগী লীক্তা মণি থানবগ নিংথিল্লম্মি। থোংজোম কবনা মতম চাদনা শাৎলবা জথৈরেনা অয়েংবা মীগী পুক্কিং ওঙ্গাৎনরি তিংথগী মন্না, মরক্তা লৈরাং কেতুকীসু মপু খাইরাকপগী নীংবা কাম্নথিমনি হায়রগী মঙাও তুম্মকোম্না চংলকপা মনম থংবা জীব পুন্নমকপু ঙাওহল্লি। লম্বী নাক য়েং ওইগী মকম চানা থার

লৈরাংগী জাৎনা "লৈতেংলখা লৈকোন অহুগী ময়ায়দা চপচানা ওন্থুনা তৌরবা।" পুক্রিপুক্রি অহুনা থরো অতাংবা," অশংবা, অরাম্বা মচুগী থম্বাল। পুক্রিগী চিথেক মরিদা মাংজোরবা শিরাইরি"। মচুকি মরক অহুনা লয়প লয়পা লৈরাংগী অরুবনা মথা হাইথরবা কাবোক্লে"। তিথইহংগে হারামগী মতাংগুম থারবা হাওরে।" ময়াংলৈ, খুজং," লমুরিক অসিনচিংবা।" শিরবনিদা।" মিখিরবী" লৈরাংশিং অশিংগী মরক মরক্তা কৈরোম মচা মচা য়েম্লি। লাইবক-চাউবী সনারে।" নীগী শিঙ্গা অরাবদি নংনা পুরে। তৌইগুম্বহুং তৌবিমল থংত্রবা মীওইবা কয়াননা নংবু মুক্তা চান্না তৌবগে? য়েন্না থাগী নিয়ম পুনবা গুরুনা নংবু শেম্বা নত্রা? হৌজিক শরৎ থানা হৌরকর্দা "নাথোই থরুনা কাঙ্গীবী চিথহৌদুনা মপুগী লৈকোল ভাক্লিবা? মীনা থারুদনা হৌরকপী লৈপাক্লে। কনাগী মাথং লোমুনা মপুগী লৈকোল অসিদা শাৎলিবা? নংবুদি পাম্লদে—তাইবংপান ওয়বী লৈরাংও। মনাম্বা হান্না চোংবদি য়েরুবা য়ামগনি হায়না খন্দুনা লৈরাং হান্না উৎপরা? কৈ, নংমু থাসিদদি শাৎচৌ। লৈকোনগী অকোয়বদা চিগোংলৈ পাম্বী অখিৎপগুম মনা অমতা য়ৌনা হেক্কহক্তে। মশা অপুম্বা সনা মাল্লবা লৈরাংনা য়োমথ্রে; মরক মরক্তা কনাগুম্বী লৈচনথংবী শালোনা-নাতোমদা মনা থেৎপগুম্না অনৌবা মনানা থেংলি। অসুম্না লৈকোম্না হেক থখদা শঙ্গাইগুম্বাং লৈ—মাঙ্গুবী থা—বাং থরা লাম্না কম্না চাওদবা হৈবাং পাম্বী তৌইগুম্বহুং হৈরাং পাম্বী অমতহু শংনা লৈজব ফংজদে—কনাগী মথক্তা থৌঙ্গুমেলৈ, কনাগী মথক্তা য়েরুমলৈ, মথক্তা মেলৈ" লৈসনা নোংজুমপান, কদাম্বা লৈঙ্গুংশি। হৈরাং হৈনৌ পাম্বী। শাওগনু নভোম্বা য়েন্তনদি লৈরাং উরি লৈনা কন্না পানগনি? শঙ্গাই গুমাংদি শংত্রা?—বৃন্দাবন নাপীনা কোয়রি; কুন্দামলৈ, মদনলৈলা হাইথ হাইথনা শাৎলি; বৃন্দাগী খুবম মনাক্তা কামিনী কুসুম পাম্বী অমমা খুংনা মেত্তনা শাবগুম মনা অমত্তা চোইথোক্তনা য়ুংলি। মাহুমু শংদে; হুঙ্গারে অনিনা তনয়েং য়েংলিরি। শঙ্গাই মাঙ্গোন অহুমু মধুমতীনা য়েংতুনা অওকপা বুঞ্জবন অমা ওইরি। মম্যাং শঙ্গোইমু মম্না চৎপা লৈরাংনা য়োমলি। গন্ধরাজ থাবা লৈরাং অয়াম্বনা লৈতেংলি; শঙ্গাই নাক—য়েং—ওইবা কমলা চম্প্রানচিংবা মন্নম হুংশিরবা মথল মথা অয়াম্বগী হৈরাং। শঙ্গাই মনীংদা হৈকোন, নাক—য়েং—ওইবা ইথোল—মাঙ্গুবা কোবি, হঙ্গামনচিংবা মতম মতমগী মনা মশীং। ওইবমক মনাও ইবুংঙোগী বন অসি স্বর্গগী নন্দন কানন হায়বা অহুমক ওইরবোই নীংবদা লানবা থোক্লোই।

অসিগুম্না কুঞ্জবন অসিদা গ্বাই পুম্নমক্তগী হেন্না লিংখিজরবা নাইতোম শাৎপা লৈরাং অমা লৈরি—মাঙ্গুমি মনাও ইবুংঙোগী থক্তা অমা শাক্তবা, থাদা অমা পোমজবা অমত্তা পোকপা লৈরাং— মুজলতানি। মথোক কারকপগী হৌনবী পুম্নমক্তা মশাদা গুনা শাম্বোক্লমী। হৌজিক্তা মতমদা ওইরবদি থাজবা মতম হেক্লে হায়হনা লৈকাই মীনোক চংবহু য়াম্নবনি, তৌইগুম্বহুং মতম অহুগীদি লৈখাবী ওইরগী কুজরবা মরম ওইনরমী— চুহি অরানিপাম্না মপুং হেক ফারকপদা য়াগী

মুরুপী [illegible] পুরুক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] কুরু অসি [illegible] নাগা পান[illegible] ; [illegible] [illegible] মাকনদি [illegible]
[illegible] [illegible] অনিংগি [illegible] তৌরগা [illegible] থাজনবি [illegible] ; [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
অসিনা অমুক [illegible] ([illegible]) থীহনবত্ত [illegible] । মায়কোল [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] লাগনি । 'মরোল থোক্রবা ফিংমা থমাল অমি অহুনা মী পুরমকী [illegible]
[illegible] পুরমক্তা' তৌরি । ঐরবা মীনা ভুরি পাক্তনা য়েকপগুম্না মহুৰী মথক্তা [illegible] তোকা পীগুম
[illegible] অহুনা লাং ওইহনা 'ভুংশি থংবা মী কনাগী পুক্লিংবু য়েংশিনহনোই হায়বত্ত করম হায়গনি ?
[illegible] কোৰা মালবা লৌনম চাওরবা ফিরাল অমি অহুনা মী পুরমকী মিথয়েংবু মঙোক্তা
[illegible] -লাক্লি । মুমলোজবী চাইরংনা শাওরংনবগুম তৌরি । ভাংজু মবা নাকোং অনিদা
সনাগী [illegible] অনিনা মিকুপ নাহুম য়েংহনা চোংথরগে হোৎনরি । কোকী থোংনা মুরবা শমলাং
[illegible] লমথোই লমহেনহ শাংরে । কন্নাক য়ৈকদি ফকবগী মরীদা পামদবা কনাগুম্বা চোংথোরকপত্ত
[illegible] [illegible] মাকুজী কাপ-মুক হুরি । রস থংলবী শাইনা লোয়নবী শাইনোন অনিগা তাক্তহনা
[illegible] লৈরিকী মঙোওমা য়েংলিংবা মীগী পুক্লিং থুংনবা মিকুপ থুদিংগী শরুকম ওন্নি । শংঙ্গনা
[illegible] [illegible] [illegible] থোংথাং থুজিল্লা রারে পরেং থাংলি । থম্মো মানবী থুরোম অনি অহু
য়াকচৌং থাগী চীগ্গহোরা গুলাপকী মচুমক মান্নি । মাং য়েংই—ফজবা থংবা মীগী মিহৌনকয়ি ।
ভুং তাবনা পান্দু-মুংশি থংবা মী পুরমকী পুক্লিং থোইরাংনবনি ।

'অসিগুম্বা শক অসি পাল্লবী মুপীনা শকী' ইফাই থুম্নবা থংকম থোকই । মশাগা চাবা
'কিজেং—ভলাপ মচুঁ লময়ৌবী ফনেক্লা মপুম কারবা থুবোমদা তাবদা শক্তা 'ফিগা' শোয়দনা নিংভাই
তৌনরমগনি—মহৌশানা হিজম ময়েক লোনবা পামলথত্ত তারগদবা থুবোম অঙ্গুগী মতা য়েংহনা
'লংলবা কবোরং অঙাংবনা অকোয়বী লোন্নি' । পুমদাগী ফা লীকথোম গুই, শক্তেগীনা ময়াইদা
'থান, লীকলুনা পরেং গুইরগা যন্ত্রপরেংনা লীকপক ওইহনা থবাকী মনীংতম্বা অহুবু কাজিলি ।
ওজগী নাদা চিগোংলৈ নাচোম । য়েংকী শাহিদা লৈহাও হৈরোন । মপুং কারবা থুদাংদা সনাগী
'থুজিনা থাদনা নম্মা । ওঙ্গী থুনীংথোদা সনাগী থুদোপ লাইরেন ময়েক' । বসন্তগী মতম ওইবনা
কুপ্নবা লংনা কুংনা য়ৈহনা শান্নবা মন্নিংফি অহু ইন্নীংত্রবা মতাগুম্না শুংঙা ফিন্নি । অসুম্না
মহৌশাগী ওইনা শেং-চাহনা কুঞ্জলতানা মতা অনিগা লোইনহনা মপাবুংগী লৈকোন্দা কোজবা
'মতমদা ভরাং লবঙনা উহনা মপুক মহুদো মথোক কারকপগী হোমবা থাপলা 'হংথি—লৈরাং অহুব
কনানো ? ওসিম্ব উরাংগী মতম অহুনি ; ওরাংগী অহুনা নীংথিজে, ওরাংগী মতৌওম্না বসন্তগী
মলরা মুংশিংনা তাইবং মীগী পুক্লিংবু অনৌবা 'থাকলগী ইনাক্তা তাওহল্লে ; উরাংগুম্না হৈরাং
লৈরাং অপুম্বা মতম চানা নোকুনা তাইবং মীগী পুক্লিংবু শেংলহল্লে । "উরাংগুম্না লৈরাংগী [illegible]
লোইহনা পোকী খেংা অপুম্বত্ত থৈরাথিজা অমহনা মুংশিবা [illegible] [illegible] । '[illegible] [illegible]

[illegible]না, [illegible] থাংথরগু, ওরাংগী মতৌগুম তময়া [illegible] [illegible]। [illegible] মতৌগুম্বা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মজা অনী, [illegible] মথাবুংগী [illegible] [illegible]। [illegible] ওরাংগী মতৌগুম্বা। তৌইগুম্বসুং ওরাংগুম্না ইফাল [illegible] [illegible] শগোল তোংবা [illegible] [illegible] [illegible]। মায়কৈ ইফাল [illegible] ওরাংগুম্না খোইথোইনা [illegible]; [illegible] লাংতক্লবা [illegible] [illegible] অনি অমুক [illegible] চিংনা চিংনা য়েংলি; তৌইগুম্বসুং ওরাংগী শগোল তোংবা [illegible] [illegible] কনাই? অমাদুদা বন্দুক পাখী অমদা তোংবা মাত্রতনা কাক অমা [illegible] কনি; [illegible] [illegible] ওরাংগী মতৌগুম শগোল লাকপরা হায়তুনা য়েংঙি—কাক্কা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। হয়িংথোই অমনা লৈহৌ চুমথে চুপ্পগা লতাগী শাইদা থেৎলিবা [illegible] [illegible] অমা পাইখিল্লই—লতানা শগোল তোংবা অহুগী পাওরা হায়তুনা মাইকৈ মরি য়েংই; তৌইগুম্বসুং লৈহৌ চুপকম চাত্রবা অহুদা থোই অহুস্থ অতোপ্পা লৈরাং অমা তম্না পাইখ্রে।

অরাঙ্গদা কলম পাখী অমগী মতোন্দা উমাইবী অহুম অমা লৈপাক [illegible] [illegible] পুক্লা কমলি—লতাগী মিংয়েংনা ওরাংগী অহু উবরা হায়তুনা খাকখলি; তৌইগুম্বসুং কনানো হায়তুনা হংবদা শুমকম থত্রবা মন্না [illegible] শোয়রে হায়তুনা উমাইবী অহুম পাইখ্রে। লতাগী লাংতক্লবা থম্মোই অহুনা মালিকানা, মালতীনা, শেফালিকানা, নাগেশ্বরনা, [illegible] 'অয়তা' চিংথনা পুক্কং কাওবনা হংই "শগোল তোংবা অহুবু কনানো?" তৌইগুম্বসুং কনানা খুমলগনি? [illegible] চেক্লানা ওাইহাক চাক-তারগা চীকমাংনথিবগুম্না মাংপ্রবা অহুবু কনানা কনানো হায়না থংগনি? তৌইগুম্বসুং লাংতক্লবা লতাগী পুক্লিংনা অতৎপা লৈতনা হংলি—

শগোল তোংবা প্যাখং অহুবু কনাদনা?

থাগিগী লানফম

"[illegible] লাম্লগী [illegible] পুরুমলগী মতুং মোং হেক তামবদা মৈতৈ-লাগী পুরুমক শেম-শাঁরতুনা মনাও ইবুংঙো [illegible] [illegible] চীথে চাখোংতম্না যাত্রা তৌরক্লে। "চীথে চাখোংদা কাংবু অনীমকী লাগ্মী অহু" [illegible] লান থেংজরে। তৌইগুম্বসুং মৈতৈবু ওম্মগনি হায়তুনা চাং য়েংতুনা লাক্লবা থাগিগী লাগী মমাংদা কনানা থাংগনি? লাগ্না থোংফম হনবা থংত্রবা মনাও 'ইবুংঙোগা লোয়ননা মৈতৈ লাগ্মী 'পুরুমক' [illegible] হাপ্পবা থংজনা খোংকাপ অনী হম অমা চং, 'অহুম হম' অনী চং, মথং মথং হজোকখিরগী। লান 'অলিদা লবলতু' কনা অমগী থোদা য়াওননা চংথিরগী অমসুং লানফমদা মপুগী খীংখা মতুং-ইজা য়েরুবগী মথক্তা মতম চানা লাগ্দাবা উহনা মনাও ইবুংঙোনসু মাবু লাগ্দা

চেৎশিল্লবা খাম্বা লৈশিনবা থৌরবা থৌনি হায়না খল্লবি। তুংখিল অমদি লান অসিদা মনাও ইবুংঙোনন্থু খংলে— মৈতৈ অকন অথৌ পুন্নমক শৌরিদনা হন্দকী লানি অসিদা মাওবা তাঁরে লানগী অহাঙবা মতম 'অমদা লবঙগী মনাও ইবুংঙোগী মাংদা চংশিল্লক্লহনা হৈংখি— "শ্রীযুৎ মনাও ইবুংঙোগী নখা চন্নগী নবাই ঐখা হকচংচনীংবা অমা লৈরে। হৈখী য়েকবা অসি অচৌবা য়েকবা ওইরোইরোগনি। মনাও ইবুংঙোমকী থৌগল মাইবা লুচিংবা মথোই চামদগী কেমা উরে। লানগী জয় পরাজয়দি ঐখাকী লোংদম ওইরবস্থু মৈতৈগী পাম্নরবা মণি য়াম্না অরেবদা মতম চাদনা থাংবা তাঁরি; অমম অহুনা খৎনা য়াখং কংলখ্রদি ননাই ঐহাকি সনাকোকুং তাম্না চংতুনা লানগী ময়োল পুন্নমকা শৌরগনা মনাও ইবুংঙোবুস্থ কৌরবা পামজে। থৌগনলোন কাইবা পুন্নমক সনা চরণনা ঙাকপিয়ু।

থাইরাকপা— লবঙ্গ। অচুম্বা বানি; ঐহাক অমস্তুং ঐহাক্না পুরক্লিবা লাম্নী পুন্নমক অসি ঐগী জাৎকী ইকাইখুম্নবা ঙাক্লবগীদমক অমস্তুং ঈরৈপাক কন্নবগী মরীদা মায় ওনবা অমস্তুং থবায় পাম্নবদি তৌরোই হায়রবনু থবক পাংকনা অরেম্বদা থবাই মাংবা তাই। মংনা শোক্লবা লান টৈবদা নংবু মৈতৈ ঐখোয়গী মণি অমনি খংলে। নংনা লাম্নোং পুন্নমক গুন্না খংলে। ঐদি লানরুম চংলক্লবদা ঐনা ইবাক্লবগা পায়বা য়ারোই হায়রবা অসিদি ইচিন্নদি হায়জিংদ্রে। মরম অহুনা ঐহাক অমস্তুং ঐগী কুং ইরাংবা মৈতৈ পুন্নমক ঈরৈপাকীদমক। ঐগী জাৎকী ইকাই খুম্নবা ঙাকনবগীদমক থবাই অসি হায়না থাখিগে তৌইগুবস্তুং লবঙ্গ। ঐগী শোকরম। ঐগী তুংশিনা ইমা— মণিপুর সনা লৈবাক অরিনি, অরেম্বদা মাংকদে।

লবঙ্গ। ঐগী বা অসি তারগা মীনদি ঐবু অপংবনি হায়বা য়াই; তৌইগুবস্তুং মৈতৈ ওইবগী ঐনা ঐগী শিংলী অমত্তংদা চেংল্লিতৈগী মতমদদি ঐনা যেক্লবগা পাবা ঙমলোই হায়বা বা অসিদি ঐগী ইচিন অসিনা হায়দোকপা ঙমলোই।

অমুক্লী মকমদা চামরক শিবা তারবস্থ ঐনা ইবুধৌ পাখংবগী নাম পন্দুনা য়াশক্লিবা অসিনি— ঐ শিববু কিয়োই। নোংমা পোকপা মচা নোংমা শৌরগনা শিগনি। অহান অকোনবগী মিহৌরদনা ক্ষত্রিয় মচাগী ফজবা মিংচৎ। য়াম্বুং মহারাজগী অমকপা লৈত্রবা গুন থাদোকপদি ঈরৈপাকী— মণিপুর সনা লৈবাক্কী য়ক্লবা যশকীর্ত্তি অপুম্বা ঐ শোকুম্বা মাংহনবদি ঐহাক তৌবা ঙমলোই। ঐহাকস্থ কৌরব শাগৈবু ঙম্বা, পাণ্ডব বন থাবা, যদুবংশবু [illegible] শ্রীকৃষ্ণবু [illegible] শাগৈদা পোক্লিবনি। নংনা হায়ববু থাগিগী অকনবা চাম্ন, চাম নংগ, [illegible] চায় [illegible] ঐনা অসি হায় হায়তুনা নংনা। ঐবু শাওরবোই নীংগনি— ঐ বাখল তৌরগনা অচুবা য়াবা পাণ্ডব হৈক্তে। নথ্না হায়রবা অরানবা অমত্তা য়াওদে। ঐনা নংবু [illegible] অসি, খংহৌদনা কুপ্পাপুলোং কংদ্রবগুবনি— ঐনা মৈতৈ ওইবগী অলোংবা [illegible] মানদকৌজবা হেক য়াংবা। [illegible] তীর্থদা মৈত্রাহুনা ক্ষত্রিয়মচা ওইবা মনাইন শর্ম খংবা [illegible] শর্মদগী হেন্নবী [illegible] অসি

শিজরকম 'চৈলয়োইলরা হায়হনা বাববু হৌজিক্কি নহাক্কুবা মরৈপাক সুংশিবা খাজবা মাখা ইনাও অমত্থু খংজরবা অসিদদি কোক্লে।

লবঙ্গ। ননাইনা থৌগল্লোন কায়বা পুন্নমক সনা চরণনা তাকপিগনি নীংঙৈ। পুকচেল অমঙকপা লৈতনা মরৈপাকীদমক থবাই থাগে লেপ্লবা জাংকী ইকাইখুম্নবনা মশাগী কাল্লবগী হেন্না হায়না খনবা ওমলবা মনাও ইবুঙেঙোনা থবাই পান্নুলনা মরৈপাক কনগে লেপ্লবা খাগিদি থমসহু—স্বর্গগী ইন্দ্ররাজনা বজ্র খুত্তা পায়হনা চংলক্লনহু লেপ্পা ওন্মোই। শিবদুর্গানা কৃপা তৌবিনহু—ওসি মৈতৈনা খাগিবু ওঙ্গা হুমিংনি

(অরাপ্পদা – জয় জয় দুর্গামাইকী জয়)

খুাইরাকপা — করিনো ? লাওরিবা অসিবু মৈতৈগী লানগী খোঞ্জেল্লি। লৈপাক্লা অবাবা তারিঙৈ অসিদা ধর্ম থংদবা, পুকচেল পিল্লবা কনানা নিংথৌ খুবম মুনগে হায়হনা লান হৌরব্রা ? নত্রগা নিংথৌগী খুবমগীদমক্তা কনাগুম্বনা খাগিগী মিচং চংহনা ঐথোইগী ইথক্তা লান্দারকপল্লা ? লৈবাক মচাশা। খুংলাই পায়বিরো। ফত্তবা জাংকী য়েক্লবা ওইবা পাপচেনবশিং অসি হায়া— ।

মনাও ইবুঙেঙাগী বা লোইত্রিঙৈনা অমুকা—জয় জয় দুর্গা মাইকী জয়। খগেন্দ্র মহারাজগী জয়।

খুাইরাকপা —করি ?

লবঙ্গ। সনা পুক্লিং তপথবিয়ু, অতৈ করিহু নত্তে ; লান কল্লে অমহুং য়েক্লবা অসি অচম্বা নত্তে হায়বা থংলহনা নয়াম্বুং মহারাজনা ননাও ইবুঙেঙাবু লাম্বাংবা থারক্লে। ননাই ঐনা হৈৎচখিবা অহনি, ওসি মৈতৈনা খাগিবু ওঙ্গা হুমিংনি।

ঙাইহাক লৈরগা মনাও ইবুংঙো য়াইস্কুল লাকপহু থুংলরে অমহুং লানগী অপুম্বা বা পুন্নমক তাম্নরে।

ওসি মৈতৈগী লাইবকী চাংয়েংনবা হুমিংনি। অমরোমদা মৈতৈগী মায়ওনবা থংব্রবা অকন— অথৌ অহুগা অমরোমদা খাগিগী হৈশিংলবা লাম্মী। অকনবা লান থেংনরে। তেক্সা অক্তিয়া মকোই কুপখরে। নোংমৈগী খোঞ্জেমা বজ্র তাবগুম মায়কৈ তরা নিনখরে। মায়কৈ অনীগী লাম্মী মাগী মাগী জাংকী ইকাইখুম্নবা ওক্লবগীদমক মথবাই খুবাক্তা হাপ্‌না চংশিন্নরক্লে। মশীং নাইত্রবা অকন অথৌশিংনা মরৈপাকী সমান ওক্লবা মাগী জাংকী হুংশিবা উংনবগীদমক থাংগী জগোই শাহনা চোংশিন্নরক্লে। লান ওম্বগী হরাওবা খোঞ্জেল, মারুখীবগী অবাবা তেংথাবনা নিনবদা কনানা কনাগী মরা তাবা ফংগনি ? মনাও ইবুংঙো খুাইরাকপগা খাগি লুচিংবা পুন্নলেনগা থাংগী অকনমা লান লোক্করি, মশা মশা থাংনা য়োন্নক্লে। থাং থাং [illegible] মৈরিক্লা মায়কৈ তরা ওান্নখরে, জয় পরাজয় থংনজরে। মায়কৈ অনীমক তোয়না তোয়না নোংশাগী [illegible] লাওনরক্লে ; সিংহনাদগী ধ্বনিনা পৃথিমাতা অসি থুক থুক নিকল্লে।

অমুম মৌরিবৈ [illegible] নিংগী-[illegible] মনাও ইবুঙো মাইকুল-লাকপনা জয়ধ্বনি [illegible] [illegible]

চংশিল্লক্লে।— মৈতৈ অকনবা থর অসি পাবমক ওমথ্রিঙৈনা অমুক-অমুনৌবা [illegible] শোমজিল্লকপা উত্নুা থাগিগী লান্মী পুম্নমক শমজিং থাইত্নুা চেন্নখ্রে। হৌজিক্কা থাগী অগোইই শারম্বা, হৌজিক্কা নোংশাগী লাল্লাও লাওরম্বা, হৌজিক্কা থাগিগী লান্দা হৈ-শিংবা উত্নুা মৈতৈগী লুচিংবা, অপুম্বব অহাত্নুা খুন্নংলুলবা থাগিগী লান্মীশিং অহু পাম্ন কৈরেন্না মগুম্না অরবম্না কাওরেন মগবী মমাও অপুত্নুা মায়কৈ মরীদা কায়ত্নুা চেন্নবগুম্না চেন্নখরে। শল্লুপ কাইত্নুা চেন্নবা মগবী মমাও, মমকপী কৈনা মন্নাইবক থীবা মগ থরবু লাকপগুম্না মরাইবক থীবা থাগি কয়া মৈতৈগী মথক্তা প্রাণ থারে। অম্মুা য়েক্লবনা ঈপাক্তা কোঙ্গোল তাকপগুম মাংথ্রবদা মৈতৈ লান্মী অপুম্বা লানশংদা হুজিন্দুনা মুংঙাইনা জয়ধ্বনি লাউর লাউরত্নুা হরাও-কুম্মে তৌরত্নুা লৈনখ্রে। মরক অসিদা লবঙ্গনা মনাও ইবুঙেঙা খ্বাইরাকপগী সনা মাংদা চংলক্লুনা হঙ্লখি— "মনাও ইবুঙোগী সনা চরণদা ননাই ঐনা হঙ্গৎচনিংবা অমা লৈরে। হঙ্গক য়েক্লবশিংনা চেনথ্রিবা মতা অসি উরগা পুক্লিংদা চিংনবা অমা পোকই। মখোইনা চেনথ্রিবা অসিনা লান লোইরে হেক হায়বা য়ারোইগত্রা হায়না নীংই। লুচিংবা অমতা শোকখিত্রি; অকনবা অমতা হাৎহৌত্রি। মরম অত্নুা মনাও ইবুংঙোনা সনা বুদ্ধি তৌখিত্নুা মতম থরদংদি শেম শাত্নুা লৈবিখিবা থোকপ্রা হায়না খঙ্গবি। থোইদোকপদি হন্দকী লান অসিদা মখোইনা সনা কোন্নুং তম্মক্লনা কোন্নুংদগী অমুপ থাপ্না লাম্বন শান্নরিবা অসিগী মরম করিনো? হৌজিকমক মৈতৈগী অকন অথৌ থরা পন্দনা সনা কোন্নুং তান্না চেন্দুনা কোন্নুংগী অবস্থা য়েংলুবনা চুম্মি; সেনাপতি ওইত্নুা লেংবিরক্লিনা মনাও ইবুঙেঙাসু হয়েং নোং হেক ঙানবগা পনবিবা তৌদনা সনাকোন্নুং তান্না লেংথৎপিরকউ, ননাই এহাকমক হৌজিক সনা কোন্নুং তম্না চৎচরগে। অকনবা কনা অথৌবা কনা লৈবা?— কোন্নুংগী অবস্থা য়েংলুবনা চুম্মি। ইতোমতা চৎপদা কিবা নত্তে; হৌজিক অসি লম্বী অপুম্বা য়েক্লতিথং লৈতে হায়বা য়াত্রি; অমনা শিথ্রবদা অমনা পাও অমরোমদা ওইরবসু অমরোমদা ওইরবসু য়োদবা য়াদে।" অসি হায়ত্নুা লবঙ্গনা মরুপ মধু হৌত্নুা মনাও ইবুংঙোগী য়াথং মতুংইন্না ইপ্পাল কোন্নুং তম্না য়াঙ্গোই খুরুপ থাত্নুা চেনখৎখ্রে।

মণিপুর রাজদরবারদনি। মনাও ইবুঙেঙা অনি নত্তনা মন্ত্রী, ধনঞ্জয় পণ্ডিতনচিংবা পাত্রমন্ত্রী অপুম্বা তিল্লে। রাজসভাদা ধনঞ্জয় পণ্ডিতনা বা হৌদোক্লকই। লান ঙমলে হায়বা পাওনিন-খোলমুখৈদি, তারে; তৌইগুম্বসুং লানগী পাও অশেংবা হৌজিক ক্লাওবা কংদবা অসিবু করিনো? মনাও ইবুংঙো অনী, অকন অথৌ কনাগুম্বা লান্দা শোক্লপা (ওইম্নবদি ওইমমু) য়াওবনরা?

মহারাজ থপেন্দ্রা— লানগী পাও ঙাক্লবা তানীহক্লে।" ওনি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ওক্নবা [illegible] [illegible] লোজৌবীনা কুমগী "ঈরা "[illegible] হরাওকপা-"হৌজিকমক" লানগী [illegible] অরবদি ঐগী পুক্লিং অসিদা অঙাংবা ওইগনি।' হিং— লানগী পাও ঙবোলা তানীহক্লে।

থোংশংবা — মহারাজ ননাই লেবক জানবজুলী হুরে। সনা মাথং লৌক হায়রুনা ননাই ঐবু থারক্লিবা অসিনি।

মহারাজ — করি হায়রী? ঐগী থবাই ওইরবা লবঙ্গবু থোংদা করি খিংবম লৈবগে? থীরেং হৌজিকমক চংলকুনা সভাগী পুক্লিংদা খৌরাংশিনবা অসি ইংহল্লো হায়য়ু।

লবঙ্গ — (নিংথৌ সনা চরণদা সাষ্টাঙ্গ প্রণাম তৌরুনা) মহারাজ! নোংশাবু ওমলুবা ননাও ইবুংঙো অনিগী মায়দা খাগিগী লাম্বী অপুম্বা কায়রুনা চেমখরে। খাগিগী অকনবা, খাগিগী অথৌবা অমতা লুখিসে হায়বগী চিংনরুনা ননাও ইবুংঙো অনিনা সনা কোয়্রংগী অবস্থা য়েংনবগীদমক ননাই ঐথোই অমিবু থারক্লিবনি। য়েরুবা অপুম্বনা ঈপাক্তা কোক্লোল তাকপগুম হেক মাংখিরা মরম্বা লান লোইরে হায়বা ওমদরুনা মৈতৈগী অকন অথৌ অপুম্বা লাবন প্রুগাইরবা ওন্দনা লৈরৌরি। সনা কোয়্রংনা য়ৈথাই থিঙ্গাই লৈতনা লৈরম্বা অসি উরবা অসিদা লম্পী চংথগী, লানগী অবাবা পুম্নমক কোরে।

(অরাপ্পদা — লানগী ধ্বনি, খাগি জাংনা জয় ওইরে। থুজিল মমাইদ পাক্লবা মণিপুরদা তেংবানবা অপুম্ববু মায়থীবা পীবা ওম্বা থাগিনা মায়থীগনব্রা? জয়, জয়। খাগিগী জয়।)

মহারাজ — করি? অসিদা অমুক লানগী খোঞ্জেন।

লবঙ্গ — মহারাজ। সনা পুক্লিং তপথবিয়ু। ননাই ঐনা চিংনরকপা অহুমক থোকখ্রে।

মধু — সনা পুক্লিং তপথবিয়ু। মনাই ঐথোই অমিনা লৈরিঙৈদা খাগি কানা করি তৌখ্রনি? ইপা সেনাপতিগী মচানি। মণিপুর সনা লৈপাকী মরোল ইঙ্গাজ কোয়্রংদা পোক্লপা মচানি। পুন্নমক কুম্মৈ য়েংসন্থু মনাও ইবুংঙো অমিনা লেংঙক্তিবা ফাওবা ননাই ঐ ইকোমদনা খাগি থেংনগে? শিরে ফরে, ক্ষত্রিয় মচানি, লবঙ্গদা মহারাজ অমস্থুং সনা কোয়্রং শিজ্জগা সনাতন ধর্ম্ম কংথিগে।

লবঙ্গ — ঐগী ইতাও মধুনা হায়বা তাবদা থবাইদা আশা পোক্লই। খাগি লথোইনা লমগে মনসন্থু ঐথোইগী শিংলীদা মৈতৈ ঈনা চেল্লিঙৈদা কনাবু কিরুগনি? ইতাওস্থু লানা মাঈপাকনস্থু মত্রগা শিসন্থু; ঐগীস্থু অহুমওাই। ঐ অমা নং অমা মহাক অমা শিবা লায়! মহারাজ পোককদে, মণিপুর সনা লৈপাক কায়কদে। লৈপাক কায়কদে। লৈপাক মচানা। মরৈপাক চুংশিখা য়াওবরা? লালাই ফৈনা তোংনীংব্রা? থামেন চংপা শেংমীংব্রা? নিংথৌ কি কায়নীংব্রা? পুম্নমক মরাম্নবনি। ইরৈপাকীদমক শোয়দনা মাংগদবা হকচাং কথোক্লুনা থাঙ্গরোইদবা মিংচং কনীংব্রা? মিংচং থনস্থু। মতম অসিগী মৈতৈগী বারী তুংদা লাকদবা নহারোনগী থম্মোইদা য়েকসত্র। হকচাংদি লীনিদা মাংগদবনি। মিংচংনা লেংদবনি।

কীর্ত্তিযস্য স জীবতি।

নিংথৌ খাগেম্বা

খাগেম্বা হায়বা মৈতৈ নিংথৌ অসিগী মিং অসি মৈতৈগী অহে অশিং পুয়াশিংদা অমত্তং চৈথারোল কুম্বাবা খায়দনা শাংলবা লৈরাংগুম্বনি। মায়েনবা অওয়্বা অতৈ প্রমাণ অমা লাম্বা কংগুম্‌বদা খাগেম্বা মোংয়াম্বা হাকচাংগী চংলক্লবনি হায়রম্না বাগৈইনৈ। লৈপাক মীয়াম তিত্তবদা বা ককথোক-ককশিনগী ওমথৈ খিবা কংক্লবদা অশিংবা কনানা খাগেম্বা হাকচাংগী অসুম তৌরক্লবনি হায়রম্না অথোবা ছোরিগুম্বা য়েংনখিবা মরৈ পুয়ামক লায়না ককপা ওন্নরি। অসুম্না ঐথোইগী মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা মৈতৈগী বায়েনশংদা, মীয়াম ত্তিনবা সভাদা, বাখন পোথিগী লমীদা, মৈতৈগী চথবা কহিদা ঐথোইগী মমাংগৈগী সভ্যতাগী মরীদা, মৈতৈ ঈশৈদা খোইদোকপদি মৈতৈ সাহিত্যদা কালেন খাদা অহিং জুংখিল তত্তনা খোংহুনা পাইখিবা চৌংগী চেক্লা অহুগুম্বা মকম মকম খুদিংদা তত্তনা পাইরি। মথক্কী লানগী বা পুয়ামক তারগা ঐথোইনা মহারাজ খগেন্দ্রজিৎপু খাগেম্পগী মত্তো অমা ওইনা নীংবহু য়াই। তৌইগুম্বসুং মহাক অসি লান্দা মায়ওনবা খংক্লবা অথোবা নিপা অমা ওইরম্মি। মহাক্কী মপাম্বোমগী পাজম্বা মায়কৈ মরীগী চৌংগী চৌংমীনচিংবা অপুম্ববু খাক্লৈশেংনা মণিপুরগী পণ্ডাকপগী মশক ওইনা থম্বা ওমলবা নিংথৌ অমা ওইরম্মী। মহাক অসি রাজনীতিগী মরমদসু ওইথোক্তনা হৈ-শিংবা নিংথৌনি। মহাক্না লৈপাক্কী খুং-শা হৈবা অসি চাওখংনব-মীদমক শ্রীহট্ট অমসুং কাছাড়নচিংবা মকমদা কোল-লীক শাবা মী থাখিরম্মি। মাম্মী মতমদা মণিপুরদা মুসলমান য়াম্না খুম্নাখি। লৈপাক্কী লৈশেম তুশেম্বগী মরীদসু মহাক অসি য়াম্না পুক্নিং চংলম্মী। অসুম্না অরাম্বা ওগনা লৈত্তেংবা নিংথৌ খাগেম্বনি।

লৈপাক্কী মীয়াম্না লানগী শেমশাক্লবদা মহারাজ খগেন্দ্রজিৎসু লানগীদমক শেম শাখ্রে। লেমহৌবা লৈপাক্কী পাত্রমন্ত্রী পুয়ামক তাম্বহুনা লুমিং অহু খংগুনা তা অমসুং থাং খোবোম্বা চাংয়েংবা লুমিংনি হায়না লেখ্রে।

বসন্তগী অহিংদনি। নিংলুং তুতিয়াগী ইংলবা খাবম্না য়ালেম অপুম্বা কুপখ্রে। ইম্ফাল তুরেলগী তোর্বান্দা, পাওনম ছিৎলৈগী মনাক্তা মৈতৈ অমসুং খাগিগী লাম্নী পুয়ামক অমুক মায়োক্লরে খাগিগী লাম্নীসু হুন্দক ওমজ্রবদি মখোইনা নীংলকপা কায়রগনি হায়না খংনা মথয়াই খুবাক্ত ময়াশকুনা শোক্লখ্রে। লবজ, মধু অমসুং মৈতৈ লাম্নী অপুনবা মনাও ইবুংঙো অনিনা লেংংক-ত্রিকৈদা খাগিনা ওমগ্রবদি মাংবা তাই অমসুং মৈতৈ ওইনা পোকপগী কায়ক্লে হায়বা খনে শোক্লরে। অসুম্না জয় পরাজয় খংদনা মায়কৈ অনীমক পুং তরুক মথয়াই পাম্নুনা লৈতন শোক্লখিরম্মি।

মীগী মৈনা ইফাল তুরেলগী তোর্বান অপুম্বা চাংলে। মহারাজ, খগেন্দ্রজিৎনা মধু অমসুং লবঙ্গগী লানগী পাও তাবদা শুরখৈ লৈতনা পেনখি। তৌইশুরসুং অরেম্বদা মীতৈ লাম্মী ময়াম্বা লানথমদা খরাই মাংবা অহু তারহনা নিংথৌ মশামক লান চংগে হায়রগা লেপখিরম্মি।

লবঙ্গ অমসুং মধুনা শুরখৈ খাগিগী লাম্মীশিংগীবু শিংবা হোৎনরম্মী; তৌইশুরসুং মনাও ইবুঙ্গো অনীমক্তা পাবা য়ারহনা, হৈ-শিংলবা খাগিগী লাম্মীশিংগা কয়া কুইমা থেংনগনি। হৃদি হায়বা খংদনা মৈতৈ লাম্মী অপুম্বা খরা খরা সনা কোম্বুংলোমদা হনখিরম্মি। মৈতৈ লাম্মীশিংনা সনা কোম্বুং পণ য়োরক্লবদা কোম্বুং অপুম্বা পূমলাং লাংনরে। মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা কোম্বুংগী মনুংদা মী পুন্নমকপু খামজিন্দুনা খংশুনা তা অমসুং থাং খোবোম্বা খুত্ত পায়রহনা লাক্লরে। মৈতৈ লাম্মী অপুম্বা অমুক অনৌবা থবাই ফংবগুম্বা অকিবা পুন্নমক খাদোক্নুনা অমুক লোহোনা খাগিগী মথক্তা লান্দারি। মহারাজ খগেন্দ্রজিৎকা খাগী লূচিংবা মীচাবগা থীন্নমা মায়রোক্লরে। অনিমক্কী খাংগী অমসুং অনীমক্কী লাম্মী অপুম্বা শক্লখি।

অসুম্না ঙাইহাক পুক্লোই লাম্বেংনরবা মতুংদা মাইবতোন লোইশংদা নোংঙানবু য়েংবা তাখিরম্মি। উনা উনা চিখৈ ফিচুপ হুনবা উরে। অহিংগী অতিয়াদা শাংলম্বা থরানমিচাক্কী লৈরাং পূন্নমক অমমমদা ওইনা উমশিনখরে। মরমওকপা কাক মঙা-তরা থোংবা তারে। চরোই তেত্তুগী থোক্লেম্মা অতনবা কাকমখৈত্ত য়াকাইরে। মাহু পুন্নমক তাবা অমসুং উবদা মৈতৈ লাম্মী পুন্নমক অমুক্তা ওইনা দুর্গামাই লাউখি। খাগিশিংসু নোং চান্ননা ঙাল্লবদি চান্ননা মাংবা তারে হায়রহনা মখরাই পাম্মুবা খাদোক্নুনা নোংশাগী লাল্লাও লাউহনা ফুজিল্লরম্মি। মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা খংশুনা তা শিজিন্নবা মতম চারমাল্লে হায়না খন্দুনা তা অহু শংলহনা খাগি জম্মা হুল্লে। অশোয়বা নাইজবা লাইনা থাবা খুৎলাই অহুনা পান্দুনা খাগিগী লূচিংবা অহু তুরে। তৌইশুরসুং খাগিগী অকমখশিং অহু লূচিংবনা তুখিবা অহুদা চেনবা তৌরে; ইকাইবা, লুংশিবা অমসুং নীংবা কায়বগী লুংতাইতবা মরমনা শিবা পাম্মুদহনা অতৈবা মৈতৈ পুন্নমকী মথক্তা লামলবা নোংশাগুম্বা লান্দাখি।

মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা থাং খোবোম্বা খুৎতা পায়রহনা থাংগী জগোই শার শারহনা খাগিগী অকন অথৌ পুন্নমকপু য়েন্দেম্ম শোইবগুম শোইবা হৌরক্লে। পাম্নে উরহনা খাগিগী লাম্মী পুন্নমক কায়রহনা চেন্নে। মৈতৈ পুন্নমক লান শুমলে হায়বা খংনবা দুর্গামাই লাউরে। কোম্বুং অপুম্বা পুং শেনগী থোক্লেম্মা নিনখ্রে।

মুংচু অসুম্না খাগিগী লাম্মী পুন্নমক অহুবু মাক্তখীবা পী-হায়রহনা মৈতৈ পুন্নমক্তা মহারাজ খগেন্দ্রজিৎপু খাগেম্বা হায়বা মিংথোন অসি থোনখি।

নগুংলাংগী লৈবাক কায়রিনিকো সনাহল !

চৌথে কিহুপ হেক চনবমত্তা, মরম ওকপা কাক মতা তরাগী তম্বা থোংবা থোজেল তাহনা কুঞ্জলতানা মনাই অচানবী মালিকাবু থোদোক্লুনা শনাইগী মপান থোরক্লে। থক্তা অমা থাত্রবা, থাদনু অমা পোমজবা মনাউইবুংগোগী নাইতোম শাংবা লৈরাং কুঞ্জলতা হায়বী মমোম অসি নিংথৌ মচা ওইবগী চাওক্লোকপা হৈরমলে। অসুম্বা নিতিগী অমুকী য়েন্বা অহানবা থোহনা মনাইশিংগা লোয়ন জোয়ননা শনাই মাঙোল শিংপা-শেংবনচিংবা থবক পুম্নমক কনাগা লৌত্রবা রোম্বনা লোইখোকই। ওলিহু লক্তাসনা, অমুকী তৌগদবা পুম্নমক লোইহনা থাইনা ম্যাহৌগ্রিভৈনা পিরাখরে। থাওগাইদোং তিংখোক্লুনা নমথাং খুহলং নময়োম্বী শিনবাং থোবাংত্রবী— পাওদেম খুম্বা পায়হনা "য়েথন জল ওইনা ওক, ওইনা জল য়েথনা ওক," খুহলং মরম চানা শাখরে। অমুম্বা অমুকী নাথা মথীং গুরহনা, মনাই মালিকাগা লোয়ননা অপ্রেশেন চায়জেঙোংতা হৈনম-লৈনম্না চুম্বা ময়ান মুনা ফুংলবা চেংহী হৈরহনা ইম্ফাল তুরেন তম্না চাইথবা লেংলক্লে। তোর্বান য়োরমদাইদা মনাই মালিকাবু হাম্না থাগৎপগা মতা ইন্দুরেখাবু হোবা চংখি।

কুঞ্জলতা— ইতা!

ইন্দুরেখা— ইতা ইবেম্মা,

ইন্দুরেখা হায়রবা অসি কনানো হায়হন্না লাইরিক পাম্বিবা মীশিংনা খংনিংবা য়াই। মহাক অসি নিংথৌ-ভম্না অঙম্বা খুহোং মেজরগী অমতা তাইজবা মমোমি। (মপা মেজরদি মতম অমম্বা থাগিগী লানক্রমদা মনাই ইবুংঙোগী থৌগল ইনখি)। মহাক অসি মুপী ওইবগী হোনবী তুনা ফজরগুম্না বা ভাংবদা য়াম্না হৈ-শিংই। থাহৈগী মান্দা, মরৈগী তেন্না, কোতিগী লোনরকপদা মতম অঙ্কী মুপা মুপী পুম্নমক মজোন্দা মায়থীবা লংপ্রবা ঙাক্তনি। মতম অহুদা, অহুম্নাইদা লুহোংবা অমতম্নু নাবু লৈশাবী মকপকী বার্তন চাম্বা লৈখিদে। তোইগুম্নমং মনা হৈশিংপ্রবা বরগী লাম্বী অমতম্নু মাগী মমাংদা তুদবা য়াওখিদে। ইন্দুরেখাবু য়াওরমলবদি বরগী কাংবু অমতনা মাগী থুনিং চাদনা, মাগী খুজিনগী দাগ কংদনা নত্রগা কোরেৎ শেগাইদনা হল্লকপা য়াওখিদে। অহুম্নদি ওইরগা মহাকী তরাম তরাম তৌবা থাহে, মোমোম লোকপা চীথাল অথ পুবা মিংস অমসুং কোইদবা ব্যবহার অহনা মহাকপু কনানসু হুংশিদবা ঙমজে।

ইন্দুরেখা— ইতা টবেম্মা! নোংঙাননৈগী কনেক কিহুপ অচৌবা অমা কাবমকসু ঙমাত্র; ইচাম্নবোইদি হাত্ত-পাদবা মপুমচানিনা ওক্রবসু কৈ, তজরগা চকনা চিখোরদি অসুম্বা তম্না শিন থারবদি মাঙবা হায়বহনি।

কুঞ্জলতা। (মাগী মহৌশাগী স্বভাব থংহনা) নংনা হৌরকত্ত হায়বসু হোরকপান। এনা হোত্রবাদ নং তুরেল কুম্বকলোইত্রা? নং তুরেল কুম্বকলোইত্রা?

ইন্দু— নংমা হৌরকনি হায়বা খংজবদি ঙসাইনা চৎকনি।

লতা— করিগী ?

ইন্দু— খংদে। নোংমগী নশক উহৌত্রবদি শিন পাংগে।

অদুম্না লতা অমসুং ইন্দু অনীমক্না খৎন খৎননা লাক্লুনা তোর্বান য়ৌরকপদা থম্না থেংগদুনা তোর্বান্দা খুনগী হুপীগী দরবার অমা ফমলম্মে— মৌনহা মৌয়াংথোং, মৌহন, লৈশাবীগী জাৎ শুনা তিনখ্রে। বসন্তগী মতম ওইবনা কনাগী মচিন্দসু বাচোই অমত্তা য়াওদে। মৌয়াংথোং কনানা মপুরোইবনা কোয়থগী, মৌনহা কনানা খুনগী পাথং কনাগী, মৌ অহল কনানা মপুরোয়বনা লীকপগী; কনানা মচা ওক্তবগী, কনানা মচা মশক ফজবগী, কনানা হুপী থাজবগী, কনানা লৈকাইগী মতু মবা খৎনবগী, কনা অমনা ঙরাং হুৎদাংগী ইনশাংগী বারী শাবনা মনাও ইথুংতোগী হিদেন অতু থাঙ্গৈশেংবা কৈথেন মচা অমা ফমলে। লৈশাবী অহনগী জাতি বারী শাবদা মৌয়ামগী মরক্তা তিনবা লায়; তৌইগুম্বসুং লৈশারী মহাগী ক্লাংবুগীদি ইকাইবনা ওইরবসু, মথোয়গী মরক্তা তিল্লুবা ফংজত্রে; মথোয়না অতৈ পান্থে লৈতজুনা, থোঙামগী লৈহাও অদি, লাইশ্রমগী চিনিচপ্রাগী বারী শাতুনা পেমরি।

শীজ অথোকপী, হুংশিরৈ সমা অমসুং লোয়তাম থাবল লৈমা অহুম অসিদি ময়ামগী মরক্তা তিনদে; মথোয় অহুম অসিগী স্বভাবতি মহৌশানা তোঙাল্লি। খুনগী হুপী হুপা প্রুমকী বা মথোয়ন ঙাংনখিদবা য়াওদে। ঙসাইমখৈসু ইরুরিবা ময়াম অদুগী বা ঙাংনরি। হুংহিল চুমা কনাগী ময়ুমদা চৎতুনা কনাগী মশম পুনবা পাংবিরুই, কনাগী ময়ুমদা চৎতুনা কনাগী লীক-কোলগী ফজবা অথীবগী মরমদা পাওতাক পীরুই। মতম অসিদা মথোয়বু থিবা ফংবা লৈতে, হুমিৎনা থরদং হেক লৈথখিবগা মশা মশাসু ফিজেৎ লৈতেংবা হৌই, থবক লৈরবসু লৈত্রবসু নোংমগী কৈথেল য়ৌহৌদবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং মখোইগী অফবা গুণসু লৈ, ময়ুমগী থবক্তি অমতা পাইরুত্রবসু লৈকাইগী থবক অমতং থোক্রবদি চাক চাজবা ফাওবা ফংদে; লুহোংবগী অউন-পোৎকী ফুং চাবা চাদবা তাকপা, শোরাংকী শব্যাগী অচোপ-অয়েম থম্বা, অমসুং পালাগী বুজি চৎতুম তগ্না অসি মখোই নত্তনদি তৌথিনঙাই লৈতে। ঙসাই মথৈ উথোংদা ফমতুনা মথোয় অহুম অসি ময়ায়া ঈকবা য়েংলম্মী। হৌজিক হিদেন তাফম অদুমী তাক্লক তৌরক্লবদা মজা ইবেম্মা লতাসনাগী মনাক্তা লাক্লুনা চেংহি লুবা প্যাংবিররে। মতম অদুদা অয়ামদা পাথংমচাশিংনা লাউবা তাই—"ইমা মাইবী কদাইদনো ? না অনিমক হুনা লৈহাও থেৎলবমক্তা খুজুহ প্যারিবহুবু পাজি কনাগী খুদোয়ো ?……… মাইবী অথংপী য়া য়া……"।

মাইবী—নমাগীনবু বাৎপা লৈবরা ? য়ুমদসু, চৎখি চৎখিবা মকমদসু নপাগী নপা ঙাক্তা……।

এথোইগী লৈম্মা-শীজ অহুম অতুগী মিৎয়েংসু অশোমদা তাকরে। শীজ অথোকপগী 'হুকুম' মতুং ইন্না হুংশিরৈ সনামা চেনখিল্লুনা মাইবী অতু কৌকরে।

অথোকপী— ইমা মাইবী ! মগী মিং করি কৌবগে ?

মাইবী— এঃ ! শনশম মাইবীবু খংদবা মীনু মরৈরিবোই ।

থাবক্লেমা—ঐখোইদি মনাও ইবুংঙোগী, কোম্দনীনি ; মপান্ খোঙ্করা মীনি, ইমা শাউগনু ।

ঙ্গুংশিজ্রা— ইমাগী ইমা শুকদি কনানো ?

অথোকপী— হেন্না ! ইমা ঐখোই শেল হনগে কৌবনি । অসি হায়রুনা শীক্ অথোকপীনা মাইকীদা শেল চনীয়াখে পীরে ।

মাইবী—(শেল অদু লাইবক্তা থুংনা থাদংতুনা অমসুং লাইরোন তিরোন শোন্দুনা লৈপাক্তা [illegible] অহমলাক খাক্রবা মতুংদা) তো তো ! য়েংকী শাগেগী হানীনা ! লোইদাম মরী শুনা কায়নবগে হল্লকনি, থুরকী ঈনা লাই শারেনা ! ঐনা হায়বা নত্তে মহাদেব । হল্লকনি, তো তো (শেন্দা থিন্দুনা) হল্লকউ হায়রি .... ।

অদুগা মথং মথং অহল্লোন পূম্নমক দুনা রেংখ্রে ; মতুংদা লতাগী পাদি লাক্রে । কুঞ্জলতানা হলহনসি হায়বা য়াখিদে, তোইগুম্বসুং অহল্লোন পূম্নমক্না রায় তাঞবা অক্নদদি য়াদবা ওমখ্রে ।

মাইবী— ইবেম্মা, নংদি নিংথৌগী সনা ঈনিনা ? য়েংকী শাগে অমগী মরমদা চিংনরিবদায় ? মচু তৌরবে, মরেপক্তা মক্তানগা মরেপ্না ওক্লিনা ? বিথিনা শেন্বা লৈপুল্লি ; নুংগী তুংগী মালংদি লৈচিল থাংঙে, এ— মারবদি নিংঙৈ হু । তো তো ! (শেন্দা থিন্দুনা) থাদোকউ, থাদোকউ । নওং লাংগী লৈপাক কায়রনিকো সনাহুল !

অথোকপী— মুম্না য়েংউ ইমা ! অদু খংজবা মী নত্তে ।

মাইবী— শোয়রোই ।

অসি হায়রুনা মাইবী অদু দক্ষিণা লৌরুনা হনখ্রে । ঈকল-মাইথকবা লোইরুনা কুঞ্জলতাসু ইন্দুরেখাগা লোয়ননা শরাইদা হুক্লিনখি । তোইগুম্বসুং ওসিন্দগী লতাগী থম্মোই অদু অবাবা ঊলক্লিমা কুপশিনখিরম্মি । চাবা, তুবা, চংপা মতম পূম্নমক্কী খোঙ্গেল অদুতা তাখিরম্মি—

নওং লাংগী লৈপাক কায়রনিকো [illegible] ।

নুপী হাঙবা অমসুং লৈপাক
কান্নবগী মরু হুনবা

মৈতৈগী মতম হায়বা অসি থাক্লেশেংবা হরাও কুম্মৈগী ইফুৎকুমনি। কনাগুম্বা নায়ক নায়িকাগী অফবা চিত্র অমত্তং য়েংলগা হায়রগদা অহানবা তুম্বি হেক পাম্নবমক্তদা কবি ওইরিবা অহুগী থম্মোইগী লাইয়ুমদা চিত্রগী অহানবা ফীবম চামনা মথং মথং ভাম্রতুনা মহাক ভৌকম থংলে। থরুদং লৈরগা পেল্লবা, তুংগী অকিবগী মশক্না মমি তাগ্রবা, সুংঙাইবদা লৈথোকপা থংগ্রবা মৈতৈগী থম্মোইনা মতম পুম্নমক্তা হরাউ কুম্মৈদা লুপ্‌না লৈবা পাম্মি। মং, এৈনা মাহুগী অফ-ফত্তগী থম্নকতুনা কনানা তাবিগনি? পেম্লহৈরবা, হরাউহৈরবা মৈতৈগী থম্মোইনা য়োংচাবীগুম্না মাইকৈ অসোমত্তদা ওম্নিংলি। য়েংউ, শজিবু লৈথোং হেক ফাংপদা মৈতৈগী মতম অসি সুংঙাইবগী ঈচেল কয়া ফাংনা চেষ্টরক্লবা? চৈরাওবগী ফিজোন, তরা মথেল, মপাল অমসুং ইমুং লাইগী প্রসাদ, মাহু তুম্নবা অবাংবা কাবা পুম্নমক হরাউবগী ঈচেল ওাক্তনি; মতম অসিমক্তাগী শাবী শানৌশিংগী লৈকাই কাংশাম্নবা হোৌই— অহুম্না কালেন চংলক্লে— চাকতান থিজাম্নবা মতমনি, অনৌ অনৌবা হৈরাং-লৈরাংনা মালেম অপুম্বা কুপগ্রবদা মৈতৈগী মহৌশানা হরাউবা পাম্নবা থম্মোই অহু হরাউবনা মকা লাম্মি। বীণাগী রুরু, রুরু, পুংশেনগী সুংশিবা খোজেন, ঈশৈ নোংমাইগী ধ্বনিনা মাইকৈ তরা নিম্নরে। হনু-হম্বী য়ৌনা কালেনগী চাক্লবা সুংশা থাংবা কাম্নবগুম্না মাগুব মাগুবত্তা বারী লাইরিক ভাহুনা হরাউবগী শরুক ফংলি।

হে ইঙা কপচেৎপী! নংসু অহু মঙাই। নংগী নমিত্তা অতৎপা লৈতনা তরং লাঈজ শিম্ববা উরগা অবাবা থংগ্রবা মৈতৈগী থম্মোইদা করি পানকম থোকপগে? কুম্মৈনা চোকথরবা কনানা অবা পোকথোকনরি; পেন্দবা কনানা কালেনগী কুম্মৈ শমথরি। অহুম্না ইঙেন লাম্রবদা শাবী শানৌ অপুম্বগী কাংথুং শাম্নবা লোমলে। জগৎবন্ধুগী মেলাগী কুম্মৈ ঈচেন্দা মৈতৈগী জাৎকী থবাই তাউথরে। থরাল থাদা হুইনা করি থন্দুনা কপ্লিবা। শাবী-শানৌশিংগী লিকোল শাম্নবগী মঙ্গ অহু মিন্থোহুনা কম্নরা? লাংবন লাক্লে, হৈক্রু, হিদোংলে, তর্পণগী উৎসবতা চহি অমগী তাঙবা পুম্নমক ঈশ্বরদা কৎতুনা প্রসাদীনা মৈতৈ পুম্নমক লোইনরে, ঠাকুর অহনশিংসু চেলসু, অমুক্তা মহুত্তা মঙারক হায়সনু; ঐথোইগী লাইবক ফবনি; হুমাংময়া তানবা দক্ষিণাগী শেম্না চহিগী শেনফমু অমা ওইসনু, ঐথোই মৈতৈ জাৎকী সুংঙাইবা মতমনি।

[illegible] মেরা থা, নংবুদি শাবী শানৌশিংনা চৌজিক লিক্লাউবীনি হায়রি। লাইগী সুমিৎ [illegible] হায়রে। মল [illegible] হায়বদি—হিয়াংথাং [illegible] চৌহুনা [illegible] কাওবা হরাউবগী থমজবা [illegible]নি। [illegible] মধুর মল [illegible] অহু উমহুনা [illegible] মপানগী

রস মরি অহুতা উবননি। তৌইশ্রুমসুং পুন্নমক পায়রদা মৈতৈ জাৎকী মুংঙাইবা মতমনি; মেরা কাংজৈ। মেয়া হাওজোংবনচিংবা মুৎশ্রবসু হৌজিক হরাওকুম্মৈগী করি বাংলি? হিয়াঙ্গৈ হিয়াং-কুম্মৈবা মতমনি। মৈতৈ জাৎকী কিজেৎ কিদাঅবা মতমনি। পোইমু ভাণ্ডারগী। বাকচাং সত্তাবা। নখোই অনী লাক্লবতদা মৈতৈনা লৌশিংগী মিং পাংহুনা থা অনিতদা থা ভরানিখোইগী চানবা লৈশিন্নরি। শাবী শানৌশিংহু লৈকাই পিন্নাইকম কাসহু। কৌরোকপনা কোঙ্গৌসহু। কুপ্পী কৌনো কংজেল, মপা মপু পোকপা খুরুম্নিংবনা খুরুমসহু; বাবা হৈত্রবা মৈতৈগী থম্মোইনা মুংঙাইবা মঙ্গনা অন্নাবা থংদে। য়েংউ, বাকচাংগী মমৈদা মহৌশা লাইরেম্বীনা অমম্বা পৃথিবীবু অমুক লোইনা শীজোক্লুনা অনৌ অনৌবা মনামশীং হৈরাং-লৈরাংনা অমুক নৌহৌনা মালহৌনয়ে। মাহু উনদা মৈতৈগী হরাউবা পাঅলবা পুক্নিং হকচাং অপুম্বা অমুক ঈরাংহৌরে। অঙ্গইবমক শ্রীপঞ্চমীদগী শক্তিবু জৈরাওবা কাওবদা মৈতৈগী তৌরিবা হরাউ কুম্মৈবু কনানা শীংথানরগনি?

অসিগুম্বা সনা লৈপাক অসিদ', অসিগুম্বা লাইনা থাবা জাৎ অসিদা ঐখোইগী লবঙ্গ অমসুং কুঞ্জলতা সনাম্ন পোক্লিবনি। অনিমক মতম মতমগী হরাউবগী শরুক নাম্বেকপা লৈথিদে। চিঙ্গোই বারুণী লাক্লে, অনিমক মাংগা তুংগা চৎমিন্নৈ। হরিবোল য়াওশং মৈথারে; অনিমক খুংশম্মনা চোংমিন্নৈ। লৈকাই খংদবা খংলক্লে; লৈপাক তাদবা তারক্লে— বিধিনা শেম্বা লৈপুম্ন। ইমা মাইবী চিম্বিবী! করম্বা ফত্রবা ওাম্মা নৌনা শাংলিবা লৈরাং অনি অসিবু চীকথৎলগবা? লোংমমখীবা বিধিনা কয়মনা কলম থৈহুনা সনাহল মগুংলাংগী লৈপাক কাঙ্গৈরগবা?

ইঙা থাগী অমাবস্যা সুমিৎনি। মম্বনা গুকতরেৎ সুনা মমগ্রে। নোংনা মীকপ মীন্নাউবগুম্ন অতৎপা লৈতনা শিম্বরী। অহিংগী ভাংলৌদি অহুক হাক্লা থেংত্রবসু মহৌশাগী ভৈরবী মুরি অসি উহুনা লৈপাক অপুম্বা থোংনা পৌরোল য়ৈশিন্নগ্রে; মীচিক মরাউখোল অমতা তাখিত্রে— মরক মরক্তা মকুনা মতম ফুইনা নীংজরকপা আশা ওসি থুংলে হায়হুনা হরাউনা লাউরি। অরাপ্পদ হঙোই পালা অমা হৌগংলে। অহানবদা ঈশৈ হনবনা পঞ্চম স্বর ওইনা বলি অমা লোল্লি অহুদগী খোম্বাংবনা সপ্তম স্বরদা হেক ওকই; অহুদগী হুহারনা হঙোইগী তাংলবা স্বরনা থুমই অহুদগীদি কনাগী ঈশৈহনবা, কনাগী খোম্বাংবা, কনাগী হুহার, কনাগী বাইন অমুক্তা ওইনা পুমতিন তিন্না রাজমেল থাগদবগী মতাগুম্না শকংলি। অম্ম্না খুদোংথীরবা মতম অসিদা কনা মনাও ইবুংঙোগী কোন্দা মৈরা চমহুনা চৎলিবসে? হুইগা জরানবগা নত্তনা অতৈনা মপা খোল্লত্রবা, নিংথৌগী শিম্বা পুবা থবক তৌবা নত্তনা অতৈনা চৎনীংত্রবা মতম অসিদা করম অমাবা তারহুনা কনানো মনাও ইবুংঙোগী শঙ্গাই তম্না চৎলিবসে? অতৈ কনা নত্তে—নিংথৌ মনাও ইবুংঙো য়াইস্কুল লাকপনি। থৌগল থাওমৈ পুবা মীনাই অমতং নত্তনা অতৈ কনা মাওজে।— সনা পুক্নিংদা লাংতক্লিবা অমা, মমাক্নু ইবুংঙো খুইদ্রাকপাল হংজকে হায়হুনা [illegible] বিধিনা শেম্বা লৈপুন অসি [illegible] সনা পুক্নিং থংগে—[illegible]
[illegible] মথক্লম মনাও ওইবগী অতাংবা মুংলিবা লৈ লৈতেং [illegible]।

শঙ্গাই মাজোললনি। অচানবা মনাই মচা অমাগা লোয়নবা মমাত্ত ইবুংঙো লেংজকপা উহুনা 'খবা' 'থুরা' হায়জনা শঙ্গাই মাজোল অহু ঊনিন নিররে। মপুগী ইজিং থংলহুনা মনাই পুন্নমক ওয়া হল্লোক্লখরে। অয়াম্বা লৈপাক্কী, লৈমনিংথৌগী বাম্নী শারবা মতুংদা বাতা চাবা মতা কংহুনা মনাও ইবুংঙোনা হায়রকই— "হন্দক থাগিগী লানফম অসিদা ননাই লবঙ্গনা তৌথিবা থবক অসিদি য়াম্বুং মহারাজনা পীবিরবা মনা পুন্নমক অহুনসু মতিক চায় হায়না নীংদে।"

খুইয়াকপা— চুম্মি, মহাকসু কায়রে; অদুগা ননাই মধুমক য়াওরমজবসু মৈতৈকোম্বুং হায়বা বা অসি অমুক লৈরমলরোইদবনি।

১ য়াইফুল লাকপা— ননাই লবঙ্গনা হন্দক লৈপাক্কী, য়াম্বুং মহারাজগী তৌখিবা থবক পুন্নমক থল্লুরবদি ঐনা মঙোন্দা পীবদা পাম্মুগদবা পোৎ লৈগনি হায়বা নীংদে। ঐনা পেনগদবদি ঐগী ইচা ইবেম্মা কুঞ্জলতা সনা অসি মঙোন্দা পীদুনা লুহোংলবতদা পেনগনি।

২ খুইয়াকপা—চুম্মি। ননাই মধুনা হন্দক তৌখিবা থবক পুন্নমক থল্লুবদা ঐসু ঐগী ইচা অনাহল অসি মঙোন্দহুম পীসিরা হায়না থল্লম্মি।

অদুম্না করি নত্তবদগী মনাই মনাই হাক্কমবদা মনাউ ইবুঙেঙা অনিমক থৌগল্লোন কায়না কায়না ঙাংনবা হৌরক্লে। ময়াম্বুংনসু লবঙ্গবু থোইদোক্না য়েংথিকম লৈতে, মনাউ ইবুংঙোনসু মধুবু থোইনা তাথীকম থোক্কে। তৌইগুম্বসুং লাইগী নোংদম্না অনি অদুনা মপু মচিন মনাউগী কান্নলবা মরম ওইররে। ময়াম্বুংনা মজা ইবেম্মবু মধুদা থাজগে হায়না থোইনা নীংবসু লৈরমজে; মনাউ ইবুংঙোনসু মজা ইবেম্মবু লবঙ্গদা পীহন্দবা য়াদে হায়না থোইনা থনবসু তৌরমদে। তৌইগুম্বসুং থংবা ওমজরবা লাইগী থৌইনশিন্না লতাসনাবু মধুদা পীবা তাথিরম্মি। ওসি মনাউ ইবুংঙোনা ময়ামবুংগী শঙ্গাইদা লেংঙবা অসি বিধিনা শেম্বা লৈপুন থাইদোক্লবা মরম ওইররে। নীংবা কায়না, থরাই বানা, পুক্লিংদা শাওনিংবগী মৈনা চারু চায়, করি নত্তবগীদমক ইকাই হুংশি য়াজহুনা মনাউ ইবুংঙোনা বা অমুক ঙাংলমদনা ময়ামবুং থুরমলগা হনখি

শানোংবা হিঙ্গাই অমসুং হিগাঙ্গৈরা

ময়াম্বুংগী শঙ্গায়নগী হৃদয়লগা মনাউ ইবুংঙো য়াইফুল লাকপনা অমুক পনবা তৌদনা কমজাও তয়া লেংশিনখ্রে। হুংঙাইজরা অমসুং অশাঙবনা খুহেম চনখিন্নুনা অহিং চুপা চাদনা অমসুং তুমদনা বাখলগী চাংজো নাইত্রবা ঈপাক্লা তাউহনুা লেক্লে। বাখলগী ঈপাক অদুদা হুংঙাইডবা

অমসুং লাউনীংবগী ঊথক হৌরকপা খুদিংমা অমাংগী খোঞ্জেল অহুতা হুমা "হুমা তাখি—"সনাহল অশিক্নম মঙোন্না পীসিল্লা হায়না থমখি" লম্বন খুবগী কলবা নোংলৈনা যাথগী ঊপাক্তা তাউরবা পুক্নিং অমসুং হকচাংবু লাংজো থুংকম খংদনা মাইকৈ খুদিংদা হুমহুনা পুরি।" মনই, হিপই, নোকই, ভাগ্নই, অমুক ঈমং খংহৌদনা অঙাংগুম্না কয়ি ; অসুম্না প্রতিহিংসা অমসুং লমন খুবগী চিন্তা কয়ানা ঙম্মোইদা লমজাও খোম্না চাকপা মৈগুম্না চাকুনা মনাউ ইবুঙ্গোগী থাগুম্না লংলব মায়থোংবু য়াহুনা উমবগুম মকশিনহনখি। অসুম্না হুমিং কয়ানি মকম হৌরক—অত্তে অমগী ওইরবা অবাবগী অমসুং অশাউবগী চাক্লিবা মৈ অহু মুংলকপসু য়ারে। করিসু নত্তবা য়ানি। করি নত্তবগী মনাই মনাই হাকমরুহুনা হৌরকপা মৈনি। খ্বাইগী মকমদদি নেমথবগী অহিংবা ঈবা অমতং হেক কংবদা চাক্লিবা মৈ অহু শোয়দনা মুংকদবনি ; তৌইগুম্বসুং থারবা নিংথৌমচা ওইবগী কংলবা থম্মোই অহুদা চাক্লবা অহুদা মাবু অমুক মুংপা নাইত্রে, মতম্না বাংলবা মৈরি অহু থরগী মথৈ হুম্বথবসু মাহু হৌজিক ফাওবা চাক্লি, নত্রগা মাহু উংনা কুম্না অরাবা সয়ি মৈতালগুম্ন চাকুনা লৈরি।

অসুম্না লৈরিঙৈদা নোংমা লাইগী নোংদমদগী ময়ামবুং খ্বাইরাকপগী হিরুহঙ্গসনা করিগুম্বা মব অমগীদমক য়াইস্কুল লাকপগী হিরুহঙ্গবদগী মনাউ ইবুঙ্গোগী মমিং চংলবা 'হিংথোই হেনবা' হায়বা হি অহু য়াইরুই। হি অহু লাইগী নোংদম্না কায়রে। মতুং অহুদদি পাইবে লৈত্রহুনা হিরুহঙ্গব অনী অহু মনাউ ইবুঙ্গোগী সনা মাং য়োনবা তারে। মনাউ ইবুঙ্গোমা বা পুন্নমক তারহুনা ময়ামবুগী হিরুহঙ্গবা অহুদা হায়খি। "য়েংউ, য়াম্বা হিরুহঙ্গবা ঐগী হিদি ভেকপা কায়বা য়াবা হি মত্তে হি অহু কোংপসু য়ারোই, অহুগা অনৌবা অমা ওনবসু পামদে ; ঐগী হি অহু তা ভেক্ত কায়দন প্রীগদবনি।" ময়ামবুং খ্বাইরাকপগী হিরুহঙ্গবা অহু করি তৌনিংঙাই লৈত্রহুনা বা অহু মবুংঙোদা হঙ্গংপ তাখি। মনাইগী মচিন্দগী বা পুন্নমক তারহুনা ময়ামবুং খ্বাইরাকপনা মনাউ ইবুঙ্গো য়াইস্কুল লাকপগী নকাই তাম্না লেংখিহুনা হায়রকই—"ইবুঙ্গো! ঈয়াক্কী করিগুম্বা থবক অমতং তৌনগে হায়বগী দমক হি অহু ননাইনা হঙ্গতুনা লৌরক্লমাগে। হৌজিক্কি শোয়রবনিম্না করি অমুক 'তৌনিংঙা' লৈত্রে। য়াম্ববু করম তৌ হায়বগে—হান্নগীদা চপ মাম্না কোংলু হায়বরা? নত্রগা অনৌব অহুগা চপ মান্নবা নত্রগা অহুদগী হেন্না ফবা অমা শিংউ হায়বরা?

য়াইস্কুল লাকপা—ননাই ঐনা অমুক বা হঙ্গংতুনা য়াম্না কায়দে। ননাই ঐগী হি অহু ভেকপা য়াম্রোই ; কোংপসু তৌবিগনু, অনৌবা হি অমসু পামজদে ননাই ঐগী হি অহুতা পীবিয়ু

খ্বাইরাকপা— অহুবু হৌজিক্তি শোইখে, করি তৌনিংঙাই লৈরি, হি অহু নত্তনা—।

য়াইস্কুল লাকপা— অহু নত্তনা অতৈদি ননাই "ঐহাক য়ানিংদে" হায়হুনা হঙ্গতারিবা অসিনি লাই লৈরবদি ননাই হিরুহঙ্গদম্না মহুগী অতৈক খোকপা "কংজদনু"

মাইবীরা লাইরেম্বীরা ?

ইঙেন, থাগী মঙৈ ওইরকলে। শরৎ ঋতুগী মনম ফংবা মতমগী মতিক ৱারা অয়াম্বা ঐরাংনো মন ঊ ইবুংঙোগী লৈকোল অদু লৈতেংলে। থমগদৌরবা লবঙ্গ পাম্বৈ, মুক্তাগুনা য়েংতুনা শাংলি, লৈরাং কনাগী শাউনদে— মপুনা থারকপা মতম হেনগদৌরে হায়তুনা খোইমুনা থোংনরা লবঙ্গ মপাল চীকথংতুনা থাদরি। লৈরাং অশোনবী। নংনা য়েংতুনা নপুরোইবগী নিংথিবা মাংহনগদু। মাগি লৈকোল অসিগী নিয়মনি। ময়ায়গী পুক্রিদা থরো থম্বাল মকা কমা শাংলি; পেললৈরুবা খোইমুনা হুমা হুমা লৈহী চুপ্পি। পুক্রিগী অকোয়বদা কবোক্লেনা পরেং পরেং শাংলি—শংবাম্বা অতিয়াদা উচেক পরেং পাইবগুম নিংথিজরি। পুক্রি মপাল নপলক্না শিজাইরে পাম্বী অমা হৌরি— করি থাজবা লৈহনা পুক্রিদা মমি তাহল্লি। কুমনা হোবা নোংলক্তা নোংথাংনা জগোই শাবগুম্না অশংবা মনা মরক্তা সনামালবী লৈহাওনা মালংবনা হুমদা হাইহমলি। কপচেংলী কাহিলী কুপ্সা শোংকাক্রিঙৈনা লৈরাংগী লাইজা শিল্লরি। পামদবী সনারৈ, নংসু শাচ্ছোরো। নংদি খোইমুগী কোলোয়সু তারিরোই, মীনা পামুব্রবসু মেরা হায়বা থানা হেক চংলকপদা শোয়দনা নংগী শিল্লা পিররগনি। অসুমঙৈগী মতম, নোংমা সন্ধ্যায়াচংবা মতম য়োৗক্রবদা মজা ইবেম্মা লতাসনানা মপাবুং ইবুংঙোগী লৈকোল তমা থোরকই—তুংদা মনাই ইন্দুরেখা। লৈকোলগী ময়াইগী পুক্রি মপান্দা কমলহুনা কুঞ্জলতানা করি খল্লিবা? মনাই ইন্দুরেখাসু লোয়নরি; তৌইগুমসুং মহৌশাগী মতমগুম্না হুংশিরবা কোলোঙ্গ অমতসু ঙাংনদে। চেদা য়েকপা মূর্ত্তিগুম্না ঙাইহাক পুংজোই কমলগা কুঞ্জলতানা ইঙেললৈগী ফৈদোমলোমদা চংশ্নহুনা তপ্না ঙংলকই।

> চীংদা শাংপা ইঙেন লৈ,
> চীঙ্গনা কেনখিবা— কল্লকই।
> ঐনা কেনগে কেন্দেদো,
> মালংবনা হুমবগী— কেনবনি।
> থাজংবা ঐসু কৈদৌকে,
> লৈরাংনা লৈখোক লোয়বগী— কেনবনি।

নিংথিবা অপুনবা ভাব অমনা মুনখিহনা ঈশৈ অনি থংহৌদনা ঙংলুরগা লতাসনানা মনাই ইন্দুরেখা য়েংহনা হায়রকই। ইতা কনানো হৌজিক ঈশৈ ঙংখিবা অদুবু।

ইন্দুরেখা—ইবেম্মা, লৈকোল অসিদা ইপু ইনাই নত্রগা অকেু কনা, লৈরিবগে? ঐদি শক্লে।

[illegible] তারে। [illegible] ইক, [illegible] লৈরবগে? ইতাু [illegible]

[illegible] ঐনা [illegible] ইবৈ অসিমক লাইবক লাউরবী নতা [illegible] খোমদোক্লিনারে। নোংদথা

বিধিনা কনাব মচিন থৈখিহনা নিজাৰি [illegible] [illegible] অবাবা হায়বা মহেক অহম অমিহ খেৎভিজমায়ে হায়বা হৌজিক ঐহাক তশেং তশেংনা থংলম।

"[illegible]— মাহুদি শৌরজবানি— "হারবী মংলবাদি হায়হনা লৈরিবা [illegible] শৌরদমা" বিধিনা [illegible] [illegible]।" ঐখোয় মীনা পেনবা হৈত্রবনদি।" [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শৌকিলবমক্তদা [illegible] হায়রিবা অসিনি। (নোঙ্কুমা) লাই [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মীনা অবশা পুন্নমক্তা: নত্রবস্থু অবাফলা মুংঙাইবস্থুই অবাবানি হেক্তা হায়? [illegible] হায়বা [illegible] [illegible] কৌবনৌ থংদে। ইবেম্মদবু হায়বা নত্তে— পুন্নমক তৌজবরনে? শৌং অমা থাংদ্রে— [illegible] মী [illegible] ঐখোয়না হায়— লাইনা তারে। অঙ্গুমা মীননি হায়বা লাবা হেক [illegible] ঐখোয়না খোনজিল্লি— লাইননি।

[illegible]— (নোঙ্কুমা) নংস্থ লাইনিক [illegible]।

অসি হায়রমলগা ইন্দুরেখানা কমুং ফিককী অমস্থং উপুগীদমক মনম গুর্শবা লৈ হৈকপা চংলে। মজা ইবেম্মা কুঞ্জলতা সনানা অচৌবা পুন্নি অমগী তোর্বান্দা কন্না কন্না অহুদগী হেন্না চাউবা ঈপাক অমদা লুপখিরম্মি। হুমিদাংবাইগী নাবিবা মুংশিংনা হুমমক্তা য়োনা পীকলবা ঈথক কারবা লুরবা ঈশিং অহুদা ঈথক চা কয়ানা হৌরগা মুংখিবগুম্না মহাকী পুন্নিংগী ঈপাক্তা বাথলগী ঈথক চা কয়া হৌরমলগা থুনা থুনা মুংখিরম্মি।

মমৈথংদা বসন্তঋতু য়োরমদাইগী কোকিল নহাগী 'পঞ্চম স্বর য়োউমলনা অমেংবা' খোঞ্জেলগুম্না নোমবা খোঞ্জেলনা হায়রকই— "লাইজ ঈপাক্তা ভত্তমা হৌরিবা ঈথক। নংদি অমুক মাংগ্রবস্থ মালংবনা হেক হুমগা অমুক নোনা হেক মহৌরকই? [illegible] [illegible] করি হায়ফম লৈবগে? ঈপাক্তা শাংজিবী থরো, পুন্নিগী লৈতেং ওইরিবী [illegible] [illegible] [illegible] অহু মণ্ডাই। নিংথম থানা চংলকপদা নখোয়গী অবাবা মশা [illegible] [illegible] [illegible] হৌরকপদা অমুক শোয়দনা নোকচবা ফংগনি— করি বাকম লৈবগে? [illegible] [illegible] [illegible] হায়বা থংলবদি অবাবা অহু মুংঙাইবগী ইফুংনি হায়রবস্থ [illegible] মণ্ডাই। [illegible] থাবই [illegible] লৈ। নংগীস্থ অহু মণ্ডাই —শাবী শানৌনা কনা চিন্নদনা কেননিহুনস্থ কন্নকই হায়বগী মথৈ মণ্ডাই করি বারুগনি— ইত্তেন অমুক য়োঁখে— ইত্তেন অমা লাকখিগনি— [illegible] [illegible] শাংখিগনি। মণ্ডামা চায়বদা চিগোং লৈনা লৈয়াইদা খেঙ্কুমা শাবি-শানৌ কনানা লৈয়াং নাচৌম শেন্মরোই হায়বস্থ [illegible] হায়গনি? [illegible] [illegible] [illegible]— য়েৎচকম ওইরিবা [illegible] শাইনা [illegible] [illegible] চংমকম লৈতে— লৈপাক্তা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কয়া "[illegible]" [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

অসে। "তাইবয়ংশানবহ্না, লবঙ্গ প্যায়াবু য়ুমজো ? লবঙ্গ অমা, শুখ বনু চোশিংঙো যাদ্রি, অমুমা, মকুম চান্না অমুত্ত, খোঁখিবরদি ঙন্থাগীদি কাঞ্জিদু শোকবা, যাই।

"লতাসনা—করয়া ? " হায়বদি অঙাননিনা শিঙনহন্ধ য়াই। "[illegible]" [illegible] [illegible]

[illegible] '[illegible]' [illegible] [illegible] হিংবা [illegible]—মাহুমসু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

"মশানা য়ুংজবা ওমত্রবা উরীদি 'মালীনা, শিনবা ইবুবা থোকই" হায়রগনা অমতা [illegible]

লাউরকই।

লতাসনা—উরীগী পুকচেলদি মালীনদি থংলোই। মালীনদি কুনাওবনা থংবসু থংদে।

লবঙ্গনা হন্নত্তিক মৈ হেক্তয়া তোয়রহুনা লতাগী মন্নাক্তা চংশিন্নকনাহুনা হায়রকই "লবঙ্গ পাম্বীসু লতানা য়েক্তবনা লৈকম থংদে।"

লতা—তৌইগুবসুং হন্দকী নত্তবা বারম অসিদগী বাধনা থৌইনশিন্ন ওইহুনা লবঙ্গগা মতোম্বা য়েৎচরিবা নুঙ্গাইরে হায়বী লতাগা থাইনবা তারিমান্নে।

লবঙ্গ—মাহুসু করনা হায়সিবা ? লতা অহনা অতৈ অতোপ্পা পাম্বী অমদা য়েৎনীংদে হায়বা উরবদি নংত্রগা থংলবদি থৌজাল হৈবা কনানা লবঙ্গ পাম্বী অমা অমুক থাররোই হায়রবসু কনানা থংবা ? য়েংউ, মালেমী লবঙ্গ পাম্বী অসিমক হাকুম শিকয়রকনি; অঙ্গুবু মখুনি য়াথংনা ওইরবসু নংত্রগা লতা নুঙ্গাইরে অসিগী অয়োবী প্রেমমক্তনা ওইরবসু থাদবা য়াজ্রহুনা কুমদি অমুক [illegible] অদি লৈপুন অসি শোয়নরব্রে। অসি মত্তাই; থংলে, কুমসি লৈবাক্ত অমত্তদগী লৈদ্রিবা কুপ্রবুদৌরি। তৌইগুবসুং মীওইবগী প্রেম হায়বসিগীদি অমত্তা নাইদে, অমকপা লৈতে, থৌইনশিন্ন অমনা চত্তে, মাসিদি নিত্যনি হায়বা য়াই।

লতা—ওন্নোকপনি ? (মতোমতা) অহুঁইগী অহুবু যাইবীরা, লাইয়েম্বীরা [illegible] [illegible] ইগুংলাইগী লৈবাক অদি [illegible] ?

মণিপুর রাজদরবার

মহারাজ খগেন্দ্রনা পাত্রমন্ত্রী পুন্নমক্তা কোয়রহুনা লৈবাক্তী অকন্বা বিচার থন্নহুনা লৈরি—অঙম অথৌ মুনা তিক্রে—মনাউ ইবুংঙো য়াইরাকশস্থ য়াওরে—লৈবাক্তী মতৌম তোংবা অমত্তা চীথক্রে। মহারাজনা মায়কৈ মরি অহু কৈইয়েং য়েংলগী হায়রকই—"তাসি পাত্রমন্ত্রী, অঙম—[illegible] [illegible] তোংবা পুন্নমক মুনা তিক্রে—[illegible] রাজদবা [illegible] ইনাউদা ইমুংদা কাংবা অচিনবা অমা থোক্রবগে ?"

খাইরাকপা— ইনাউতোনগী রা তাকপিরকপা অসিদা ননাই ঐনা নীংশিংলকপা অমা লৈরে। রাজদরবার অসিদা হঙংপদি চুমদবা ননাই রা ওইরবকসু ননাই ঐহাক অসিদা মহুৎচারগে। কনা লোকনিংবা বানি ননাই ঐগী হিরুহনবনা ননাই ঐ থংবা ননাই ঐগী করিগুম্বা থবক অমতং তৌবগিদমক ইনাউতোনগী হিরুহঙবদা হায়দুনা হি অমতং রাইফল [illegible]। হি অহু ননাই [illegible] [illegible] [illegible]; 'ননাইনী ঐগী হিরুহঙবনা চংলদুনা ইনাউতোপা, রা [illegible] [illegible] হি অহু পীবা হায়দুনা তাদ্বোকসল্লমারে। রা অহু য়াদদুনা মমৈদদি ননাই ঐতোপা য়োরক্লে; ননাই ঐনা ইনাউগীদা চঙনা হি অহু কোলুৎরা, হিহুৎ অমা পীয়ুরা, মমল ওইনা তৌরা হায়দুনা হংলুবদা ইনাউনা হি অহু কোৎপসু য়ারোই, হিহুৎ পীবসু পামদে, মমলসু লৌনীংদে, ইনাউগী হি অহুমক পীরবা য়াদে হায়রে, অহুদগী ননাই ঐসু ইনাউনা শাউদুনা তৌরিবনি, শাউবা থরা নেমলগা ঐনা অমুক হায়রগা মরাইনা য়াগনি হায়দুনা, তৌবিগসু হায়রমলগা অচমক মরাকলে। ইনাউতোনা অহু নত্রবদি হিরুহঙবনা মহুগী মতিক থোকপা ফংজসন্ন হায়দুনা লৈহৌই।

অসি হঙংলিঙৈ অসিদা মনাউ ইবুংঙো য়াইস্কুল লাকপসু, রাজদরবার অহুদা চংলকলদুনা হায়রকই— "অচুম্বনি ঐগী হি অহু নংত্রবদি হৌজিকসু হিরুহঙবনা মতিক থোকপা ফংজসনু।"

মহারাজ— কনানা করম তৌদুনা ইনাউগী হি লৌথিবগে?

য়াইস্কুল লাকপা— ননাই ঐদি খংজদ্রে; ননাই ঐগী হি অসিদি চুরগী অচম্বা হি নত্তে, অমা শাজনা থোকপা য়াবা নত্তে।

খগেন্দ্র— চুম্মি; ইনাউগী অহুদগী হেন্না ফবা অমা শি দবা য়াদে।

য়াইস্কুল লাকপা— ননাই ঐ মাহু লৌনিংদে।

খগেন্দ্র— করে ইনাউগী হি অহুগী মমল ওইবা য়ারা অহুদগী শরুক অহুম হেন্না পীরবা য়াদে।

য়াইস্কুল লাকপা— ননাই ঐহাক শোয়দনা য়ারা লৌবা য়ারগনি হায়দুনা হায়জবা নত্তে।

খগেন্দ্র— মাহুসু তোকলো। ইনাউগী হি অহু অহনবগা চপ মান্নবা কোত্তবা য়াদে।

য়াইস্কুল লাকপা— ননাই ঐগীসু কোৎপা ঙম্বা, মিস্ত্রি ওাক্ত লৈ।

খগেন্দ্র— কৈ; হিসু কোৎলু, হিগী মমলসু পীদবা........

য়াইস্কুল লাকপা— মাহুসু পামজদে।

খগেন্দ্র— হৌজিক্তি হিদি কায়রে, করম তৌগনি।

য়াইস্কুল লাকপা— ননাই ঐগীদি [illegible], অসিদি— হি অহু কোৎপসু [illegible] [illegible] য়ারোই, অলৌবা অমা পীবসু য়ারোই, ঐগীদি হি অহুমক [illegible]।

খগেন্দ্র— [illegible] হি অহুদি কারগে ; হৌজিক্তি হায়রিবা পুরমক অনিদা- ইনাউদা খাবিবা অমা নত্রগা হি অকারবা অহু অহমক লৌবা অসি নত্তনা করদা পাদে লৈরি ?

য়াইস্কুল লাকপা— পাদে হায়রবু ননাই হিরুহজবদা খাহুদী মতিক থোকপা-ফংজগনি।

ঙুমিং অহুলগী রাজ দরবার অহু মাসি য়েৎনত্থনা তোক্লে। অদুদে লৈপাকী শাসনগী বাথল অমত্তা থমনবা মতম ফংখিদ্রে। নিংথৌনু থংবা ওমদ্রে— মাসিগী মরম কদ্রিনো ? করিনু নত্তনা রা অসি রাজ দরবার থোক্লা থময়বা অসিদা ইনাউগী মপুক্লিংদা বারোৎমাদ্রে থকুনা নিংথৌমা হায়রকই— "করে, ওসিগী দরবার অসি অসুম্মক কায়নরসি ! অঙম অথৌ পুন্নমক্ত হনবিরো, ইনাউ অনিমক্ত হনবিরো। ওসিদি ইনাউতোম্মা ময়ামগী মুংঙাইবনবা হায়রুনা ফাগি তৌবিনা অসিদা খাই পুন্নমক্ত মুংঙাইরবগিগনি হায়না নীংবৈ।"

য়াইস্কুল লাকপা— ননাই ঐগী অসি ফাগি নত্তে। ননাই ঐনা ঐ ওসি থাং অসি পায়হনা রাশক্লিবা অসিনি ; ওসিদগী ঙুমিং মঙানি অসিগী মহুংদা ননাইগী হি অহু শীংজ্রবদি হিরুহজবনা মাহুগী থোকপা ফংগনি ; সনা চরণদগু হঙৎচরমলবা অসিনি তুংদা ননাই ঐবু অরানবা শীবিগনু।

খগেন্দ্র— (লোম্না) ঐনা হায়বা অমুক্তা হিরুহজবা ইনাউনি, মাসিগী অর্থ করিনো। (ফোংনা) ইবুংঙো, শাউবা অমুক্তা নেমথখো। হিরুহজবা অসি ঐনা মতিক থোকপা দদি পীগনি, ইনাউগী অহুলগী হেম্না ফগদবা হি অমা ইয়াম্বনা ঐগী হিশংদগী থদুনা থারকনি। করি নত্তবা অসিগীদমক নরাম্বুং য়াইমগী পুক্লিংদা অনাবা পীবা কত্তে, ময়াম্বা নীংলবা ইনাউদি, নংগী পাম্বোমগী পাঙলতনা ইয়াম্বনা অসিগুম্বা থুলোংথীবা তাক্লা অদিদা লৈপাক ঙাকপা ওমলিবদি। নত্তিন ননাউগী ময়ক্তা পুক্লিংদা অমকপা লৈনরবদি ইয়াম্বগী অমম্বুং লৈপাকী অমাংবা হায়বা অহুনি।

য়াইস্কুল লাকপা— ননাই ঐগীদি লেপ্পবনি।

খগেন্দ্র— তৌগনু।

য়াইস্কুল লাকপা— ননাই ঐগীদি লেপ্পবনি।

খগেন্দ্র— তৌগনু।

য়াইস্কুল লাকপা— ননাই ঐগীদি লেপ্পবনি।

খগেন্দ্র— ইয়াম্ববু য়োৎহুনা তৌগনু।

য়াইস্কুল লাকপা— ননাই ঐগীদি [illegible] অসিনি— ননাই ঐগী অরেমনি।

খগেন্দ্র— হিরুহজবা অহুনু নয়াম্বগী ননাইনি অমম্বুং মহাক্তা লৌকবনু নয়াম্বগী থবকীদমক্তি ; অদুনা [illegible] হি অসি নয়াম্বনা লৌবগুরনি। হিরুহজবনা মাহুগী করিনু মতি ফংকম [illegible] [illegible] লাইরিবা অদি [illegible] মথক্তা তারে। নয়াম্বুনা হিরুহজববু ইনাউনা তাক্লবা [illegible] [illegible] হায়বা হি লৌরুবগী [illegible] মতি শীজনুনি।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ঈদা [illegible] [illegible] ফোইনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
হৈকপনি।

খগেন্দ্র— [illegible] [illegible] [illegible] হিকহঙ্গবদা [illegible] [illegible] তৌজে [illegible] [illegible]।

মাইকেল লাকপা— অদু মতাম।

খগেন্দ্র— [illegible] হৌজিক ঐ তারে এনা [illegible] [illegible] হায়রবা [illegible]—এনা [illegible] হায়রিবা অসিদা রাজবুক্তি নংগী লমন খুমং হায়বা অদু ঐডোংদা তাগদৌরি— মরমদি হৌনবী [illegible] ঐগীদি হায়রেবা অসিনি

মাইকেল লাকপা— অদু মতাম।

খগেন্দ্র— অদু ওইরবদি নং রাজবিদ্রোহী হায়বা অদু জারে। মাহুৎসী মতিক থোকপা [illegible] কংবা তাই।

মাইকেল লাকপা— ননাই ঐদি লৈবাক নিংথৌগী মাংনবা করিমতা তৌরি। ঐগী হি মাংহনবগী মরম ওইরা অদুবু লমন খুমংগে হায়বনি।

খগেন্দ্র— ঐদি নিংথৌগী হৌনবী ভাকবগীদমক হিকহঙ্গনবু কন্নবা মাদে। (নিংথৌশেনবশিংদা য়েংহনা) কনা কনা লৈ। হায়রিবা হিকহঙ্গব অসিবু ঐগী শঙ্গাইদা পুশিন্দুনা থমউ—চেকশিন্না ভাকুনা থমউ।

মাইকেল লাকপা— অয়োন অরানবা পুন্নমক সনা চরণনা ভাকপিয়ু। —ননাই ঐদি মতাম অসিগী মতুংদা হিকহঙ্গববু হাত্তবা মাদে— সনা চরণনা কপা তৌবিয়ুনা থাদোকপীয়ু।

খগেন্দ্র— চংলো নংহু মাবু লৌথোকপা ওয়বা হোংলৌ— ঐদি হায়া ঐগী [illegible] অনিনা লৈপাক তাত্রিবমথৈ মাবু— কৈগী ময়াদা তাররা শজিবু— কৈগী মখুত্তা খংনা খংনা শিন্নবদি ওমলোই।

মাইকেল লাকপা— অয়োন অরান পুন্নমক সনা চরণনা কপা তৌরিয়ু।

অসি হায়রমলগা মাইকেল লাকপনা মহারাজ খুরমলগা রাজদরবারদগী মপান থোকখিরন্নি।

লৈপাক কায়বগী থরোল চোংবা

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চোরবা [illegible] [illegible] বাংলা [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
অথাম্দা মপোং থমা হাপলবা হি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

নৌরী বাবা [illegible] খোঙাংবা মন কংপুরমথৈ [illegible] ইশৈ [illegible]। [illegible] তাহ [illegible] [illegible] [illegible] কোয়াহং [illegible]। [illegible] অমিত্ত্রায়া [illegible] পুরমক্তা হুমিদাংবাইবী মলমা। [illegible] ঐবম্ম পুক্কিং [illegible] [illegible] মৈঙা মৈনা [illegible] কোয়না পাইদুনা অমেংবা মীগী পুক্কিং পেয়হল্লি। মতম অসিদা কনানো ইফাল [illegible] মপান্দা [illegible] ভিংথৌ মথক্কা কয়নহুনা ওসি অমাবা চিন্তা তৌরিবা অরে? নিংথৌগী [illegible] সিংহাসন [illegible] ওসি করিগী তিংথৌগী আসনদা কমলিবা? পারু মরী [illegible] [illegible] দুংঙাইরক্তনা ওসি করিগী তোর্ব্বানগী অচিকপা মকম অসিদা কমহুনা অবাবা রাখল থম্লিবা? মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা হায়রা, ইরবা। থৌনা ফরবা। মরৈবাক নিংলবা মনাউইগী মপুক্কিং ওনখিবগী মরম খন্দুনা লৈরম্মি— মতম অসিদা ধনঞ্জয় পণ্ডিতকা মনাউ ইবুংঙো খাইরাকপগা সন্না মান্না চংলক্লনা হকংলকই—

"মহারাজ! ননাউ ইবুংঙো য়াইকুললাকপদি লহান রাজদরবারদগী কুমথিবগা লম্বাদা লানবন শাহুনা লৈগ্রে হায়না তারে; হৌজিক করম্বা পাম্বৈ তৌগনি। হৌজিক লৈমহু য়াদে অহুগা ইনাউগী মাংনবা তৌবম্ম পামদে; ননাই ঐদি মহাকপু কানবা হোৎনহুনা মহাকী জ্ঞান তানবা তৌবনা ফগৎরা নীংজে।"

খগেন্দ্র— নংবা ননাউগী পুকচেলদি থোইনা খংলিবা অহু মওাই। মানা কৈদৌউজেদহু য়াগদবা লৈতে। মানা নিংলিবা অহুনা থুংগ্রিবমথৈ মহাক্কা কৈদৌউজেদহু হনগদবা লৈতে। ওইথো— হন্দক মানা শাউখ্রিবা অসিগী মরম করিনো? হি অহুমগীদি মানা অসুপ শাউকম থোক্তে। মানা শাউরিবা অসি অশেংবমক্তি ছিরুহুজবথু নত্রি ঐবুরা নত্রগা নংবুরা—মহাকপু ওইরগা নিংই। মরম করিননো? নর্চিন ননাউ করি তৌনবা লৈবগে নংত্রগা মহক্কী নিংথৌ শেমগে হায়বমক্কী তৌবরা?

খাইরাকপা— মহাক্কা নিংথৌ শেমগে হায়বমক্কী তৌবনি হায়বসি থাজবা [illegible] অসিমক মথাম্বা নীংলবা অমহুং লৈমনিংঙ্গো খংলরা মী অমনি। মহাক্কা অহুক শাউগে হায়রবজা থা অনি অহুমরোমগী মমাংদা থাগিগী লান হেক লোইবগী মতম অমুদা নোংমা মহাক ঐগীদা কোয়রকই— লানগী য়ারী অসুম শারম্বা ন্নাই ঐনা মধুর থাগংলি। ইনাওনা লবঙ্গ থাগংলি। অসুম তৌনা মহাক্কা লতাসনাবু লবঙ্গদা পীবনা চুম্নি হায়। ননাই ঐস্তু মধুদা পীবনা চুমই হায়খি। [illegible] মরী [illegible] তৌনা [illegible]। ঐস্তু [illegible] [illegible] পীকবা [illegible]। [illegible] মহাক ঐগীদা [illegible] [illegible]। মহাক্কা ঐহাক্কা [illegible] [illegible] [illegible]।

ধনেশ্বর— হৌজিক করি তৌগনি ? নৌইরে মাহুনিবমক্তা হৌজিক থুবকানবা ডাগি। [illegible] বহ বংশবানিনা [illegible] থুবা লতাসনা পীসি হায়রবা [illegible] রাখিবিনি। [illegible] মতিক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]. লতাবুদি লবক্তা পায়দি [illegible] করি হায়রি

[illegible]রাকপা— মাহুদি সনাচারণনা কপা তৌখিবু। ননাই [illegible] বক্রবাহনগী খারদি— [illegible] তাঁমগী বংশদা পোকপনি— অর্মহিকমুং [illegible] মহারাজগী ননাতনি। [illegible] [illegible] [illegible] বংশদি থোকহনবিগনু, কেত্রিকুলদা কলঙ্ক [illegible] ননাই [illegible] থবাহিনা [illegible] তৌরবরোই ?

ধনঞ্জয়— ননাউ ইবুংঙোনা খন্দুনা য়েংবিয়ু। লবঙ্গা লতাগা অসি লাইনা শীরকপা লৈপুদি। অনি অসি খাউনহনবা অসিমক ননাগীনু অকবা থোক্লোই।

খাইরাকপা— মতুংদদি ঐনু খংলকলে। অহুগা লবঙ্গ হায়বা অসিদা লতাবু পীবদা পুন্নমক অকবা থোক্লনি হায়বা অসিনু ঐনু খাজরে। তৌইগুরবগুং মাহু ওইহল্লনু করম তৌগনি ?— পৃথ্বী অসি পাতালদা লুপখৎখিসনু— নোংপোক্তা থোকপা থুনিং অসিনা নোংচুপ্তা থোক্লকসনু— শারবা মৈ অসিনা উনগুমা ইংখিসনু— তৌইগুরবগুং ক্ষেত্রি মচাগী বাশকপদি কারবা ওয়লোই। ঐনা পুক্নিংদা করবনু কন্নবনু নিংহল্লা হায়দোক্লে, হায়মোকথবদি মাহু [illegible] তৌবা অসি [illegible] শোয়দনা তৌগদবা অমনি।

ধনেশ্বর— কৈগা কৈগা, শামুগা শামুগা। [illegible] মাহু চপ মায়রে, হৌজিক ঐনা কনাবু [illegible] হায়গনি। অমদা হায় য়ারোই, অমদা হুয় য়ারোই পুণ্ডিত। ঐনা হৌজিক করি তৌনিংঙাই লৈবগে ?

ধনঞ্জয়— মহারাজ! হৌজিক কুন্নি অমুক তৌনিংঙাই লৈদ্রে। ননাউ ইবুংঙো খাইরাকপনু [illegible] হায়রে; অহুগা [illegible] লাকপনু ময়াম্বুগী মথক্তা লমন থুমগে হায়না লেপল্লে, তোকহনবা য়ায়রোই। অমুমা গৃহবিবাদ থোকপা অসিদগী লৈপাক ক্ষয়বা ওাক্তনি; মহারাজগীনু ওাকশেংবা [illegible] শেমশাবিয়ু। ননাউ ইবুংঙোনা মঙানি হায়হুনা খারমলিবা অহু ওাইবা হায়কা অহু [illegible]।

[illegible]

[illegible] তাংলৌ নেংজিনরে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ডাখিরে, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পানবা থুগাই হায়বগীমক্তা [illegible] তৌরি ? [illegible] [illegible]

লুব্বা থোংহুনা তাইবংমৈগী নাউওম ইশৈ শক্লি। শরাং কদুগী মহী লেনবা থাবদা তাইবংপানবা মপুংফু ঙুরুংগা উৎনা প্রেম করবা ৱাৱৈনা কপক্লি। হুংজিল্লা মাহিগী, কবিংগা মাকপাগী মরাং শরুপীনা পুংতোন মথাংদা ৱাঙ্কনা লৌচ্ছবীনি হায়বা উৎলি। মসী মাচংখিবা কাক মরম মরাং থাবলগী মায়ানা শুরংখিহুনা ইচুং ওয়ান্নে খন্দুনা তাইবংমী থরী হুম্বা থুগাইক্লি। লোয়াইতবী তরু্না অমনা হুম্বা চাবা-লৈজনা খুল খুল খুদিং পাইহুনা মাগী পাখোং চদি।— কনানা কোক— মাখোক জেখোক। কনানা হায়— কাক্লেন তেম্পাক। কনানা খক্লি— তোমোন পাবুং। কনানা নংহই— অকপম শাজৌ। কনানা জৌই—বক্ত কথা কও। ওয়োকপনি। "মনোবাঞ্ছা পুরাহিদী" হায়বা জেক্রা অহুনি, নিংবদা য়াদবা লৈতে— তেথাউ রামন, পাখোক চফং, পাথর কাক অগিনচিংবা। ওসি অহিং অসিমক থাবক্লৈ, কুন্দামলৈ, থমো অগিনচিংবা অহিংগী লৈরাং পুন্নক পাংকাইহুনা শরংকী অহিংগী নিংথিবা মপুং ফাহল্লে। অসিগুম্বা মুংঙাইমরা অহিং অসিদা কমুক্লা মতম রা ওন্দুনা লৈরগা লবক্তনা মপাল থোকসক্লে। য়াত্রবদা মুংঙাইরবা মতমদি; পুক্রিংদা অরাবা থল লৈবনা মুংঙাইমরা অহিং অসি তুমদনা লেনবা তারি। বাখয়া থুমন চনখিহুনা থোকলবা কমুং অহু তিঙ্গংগুম্না নিংলে— তুম্বনা য়াত্রবদি বাখল, আশা অমম্ভং ওইরবা লোখিনা প্রক্লে রেং লাক্কুনা মী অমবু ওাওহনবসি মহৌশানি। লবক্তম্ব ওসি তুম্বা য়াদহুনা কমুক্লা ওনহুনা লন্মি— মরমদি অবাবা বাখল। হিপলগা তুম্বা য়াত্রবা অহুদক্লি— অঙাং ওইরিউৈগী শারবগী হৌহুনা শাথং ওইবগী আশা কাওবা পুন্সিগী-থোদোক পুন্নমক মথং মথং নিংশিংলক্লে তুম্বা াত্রহুনা হৌগংলে; থোং হাংদোকুম্না মপাল থোকলক্লে।

জোর্বাপনি। পাত্রেনম হিজেনগী মনাক অশংবা তিংথৌনা কুপলবা চাংজৌ মখাক্তনি। শংবা তিংথৌগী মখক্তা শরংকী বুরবা লিক্লানা তাবদা রেশমগী মথক্তা মণিমুক্তা হুংপাক্তন ক্লে। থাবলগী মংলরা মশেক্লা য়ৈবদা লীক্লা মরীক পুন্নমক অহু ঈথক থক্লি। ওলি লবকগী ক্রিংনু অহু মঙাইব্রে। পুক্রিংদা অরুবা বাখল চামনা মথং মথং থোক্লগা থুনা থুনা মাংখিনা মুক্তনা কোজোন চামা চামা কাম্পা মালংবনা হম্বা থুনা থুনা চীকমাংলবগুম্না মক্লথা মাইক শাক্লা অমগী মতুংতা অমা মথং মথং ঈথক হৌরগা থুনা থুনা কাম্খিবগুম্না লবকগী পুক্রিগী শাকস্থ বাখলগী কোজোন মক্লগা ঈথক চামা চামা হৌরক্লগা থুনা মাংখিরম্মী। অস্থম জৌনা বজনা জোর্বান চাংজৌ মথক অহুদা তম্রা কুলকং ওাহৌশাহৌ অহুক চংলগা মজোলদা য়ায়জক্লকই—

অহুক্তং মৈমা চাংরেংবা। মহারাজনা এৗওোংবা কবি হায়রি— নিংথৌনা এতোনা ওইথোক্লনা মচিনা, মজনা কক্লি, লোম পীনিংওাই লৈ? মনাউইবুক্লো পুক্রিক্তাকলুদি? নখে, কবিনু লাক্লে, তবু থুম্বা লোইখিদি চাবা য়োকপানি, এসী লৈজবা অগী অকিকপাবা ব্যবহার লৌখিদ্রি— মনাই মবু অশিদি এনা হায়া লৈপাকী থবক পুক্লবা মীনি, মনাই অচানবদু অমগী মমাংদা

থাগৎপা অসিদি এহৌশানি। তৌইগুবনুং লতাসনা— কুঞ্জলতাবু নহাকী থম্মোইগী পুন্নবা কোচিশা লোৎলিবা থাবল অচুদি থংজনা— তৌইগুবনুং মাহুনা কনানা থংগবা ?— অদুগা অবু ইপাশিজা য়োন্নবা নিংথৌগী মনাউ ওইবুংঙৌ অতৌবা মাইকৈ দা লাকপানি— ? খনুদুনা কায়দে। [illegible] [illegible] [illegible] মাটিন মনাউ ওইবগী চুংশিনবা। নিংথৌগী মনাউ ওইবগী চুংঙোইবা পুন্নমক মাংগদৌরি। নিংথৌগী মীচংদা থাওবদি ঐগী ইশাগী ওইজবা হেনত্রা ? করিগী ? চুন্নি। ঐগী যৌতিক লৌরিবা কিডম অসি কায়দবা য়াউ, তৌইগুবনুং মাহু মীওইবগী মীচং নত্তে। থোংবান্দা তাঁরবা বর্থবু চিথংশিরগা মাবু চিথংশিন্নিবা মী অহুবু বাইবা নত্রা ? কায়দে। পুন্নমক অরাইবনি। প্রেম চুংশিবা। চুংশিবা! মাসি ঈশ্বরনা মীওইবদা তোঙান্না পীরক্লবা পুকচেল; মী পুন্নশিনমক মাসি লৈবা ওাক্তনিদি হায়রগা মশা মশাগী নত্তনা অতৈগী মমশি কনানিহু থংদে, থনুনবনু থংদে। চুংশিবা হায়বা অসি থাহেন। হায়থোকত্রবা স্বর্গী ওইবনা লন অমনি। মাসি লৈবতনা পৃথিবী অসি চুংঙায়বগী মফম ওইরিবনি। নত্রবদি মাসি নরকী মশক ওইরবা লৈকলো ওইরমগদবনি। মাসি ঈশ্বরনা পেন্দা পোৎ পুন্নমক্তা লৈরবা অমৃতগী মশক্কি। ওলাংথাগী চুংশিংনা য়েবদা পুক্কিং হকচাং অপুন্না ঈংমরি। করিনা ? মহুদা চুংশিবগী অমৃত য়াওরি। বসন্ত ঋতুনা লাকপদা মালেম অপুন্না অসি অনৌবা হৈরাং লৈরাংনা কুপ্পে। নামিবা মলয়া চুংশিংনা হৈরাং লৈরাংগী অনৌবা চুংশিরবা মনম হুমহুনা ভম্মা ভম্মা শীনবা পুংনা শীংলি। মাহু উবদা মহুনা য়েবদা অমদি ঋতু-রাজগী থোগল উদ্ৰকপা অয়াম্বা পোদ্বী চেক্লাগী কোলোই চুংশিবা ভাবদা মীওইবা অপুন্নগী পুক্কিং মান্নগী হেন্দোকুনা লংলবা থম্মোই য়োনা প্রেমগী ঈংলবা লাইজ ঈরানা চোংলি! করিনা ? বসন্ত হায়বা অসি চুংশিবগী ঋতুনি। অমতংপা থমখো; শরংথা; অহিংগী তাংলৌনা থেংজিরবদা তাইবংপানবা অপুন্না অচীকপাগী লিংথিজরবা শকথম অমা ওইরক্রে; তাইবং মী অপুন্না লোইনা তুমথুন হুমগ্রে। মীচিক-নাচিকথোল তাথিত্রে, থরক থরকপ অহিংগী উচেক থরত্রা পোথা পোথা থোংলি। মালেম লৈমায়থক অসি পন্থী শীনবা থুনা মহী চেন্নবা থাবদা চোৎলই চুংঙাইবা হেত্রবা মধুপুবা ঐহাক। অহাক, মহাক। থরদ মত্তনা তাইবংগী পুন্নমকী পুক্কিংদা হাইনা ভাংথোককম থংবা চুংঙাইবা অমা কাওবা ত্রাক্কনি। করিনা ? — শরৎ হায়বা ঋতু অসি চুংশিবগী শাইওন্নি। মী পুন্নমকী থাজবা য়াউ ; তৌইগুবনুং নিংথৌগী মচানুপী; কুঞ্জলতাসনা হায়বী অসি ঐগী থম্মোইগী মহুগী অচেংবা। মতানি এ [illegible] [illegible] লাৎলবা চুংশি মুর্ত্তি [illegible] লাইরেম্বীনি। <u>নহান পাউ চুংঙৈঙগী গুলি হায়বা পুক্কিং অসি কাওবা ঐগী থম্মোই অসিদা লেংদনা লৈরবনি</u> অদুগা লান লোইরে; মনাউ, ইঙ্গুঙোগী লৈকোল্লা নীংনবা পুন্নমক থংনুরে। প্রেমগী থৌরিনা অমুক হেন্না পুন্নে। মাসি ঐগী দোষ নত্তে। হৌজিকমক স্বর্গদা কাথংনু, পাতালদা চোংথো— চুংশিবগী তত্তনা শাংদোক্লবা য়েক্কিং অমনা চিংশিনবদৌরি, চিংথোক্লিবমথে চিংশিনবা [illegible] [illegible] মাইথিবনা [illegible]। ?— [illegible] পুক্কিনপুন্ন। [illegible] [illegible] প্রেমগী থাংগদিংগদি [illegible] [illegible] <u>[illegible] [illegible] অসি এহৌশানি</u>।

লম্বান-থিয়া হাজারিগী ইমা

থিয়া হাজারি হায়বা অসি লৈবনি খুন্দা মচীন চংপা মী অমনি। মখোইগী মচিনু মনাও অহুম শুই; অহল থিয়া মচাহন হায়বা অহুনা নিংথৌ থঙ্গি; অহুগী অতোপ্পা অহুনা মনাওগী ইবুঙো-শ্রীরাজমণীনা লাল্লুখওবা; হন্দকী হাজারি হাজরিবা অমিনা য়াইকুল-লাকপনা মনাই অমানবা অমঙ্কি। হয়েঙি লান চংগদবা হুমিংলি। ওরি মুহিং অমিদা হাজারিগী ইমুংদা খুলগী য়াইরোংখোংবা- তেনগুবা কুৎ, লাইশ্রবা সেবকহন (য়াইকুল লাকপগী), মাইব্যা কৈরুংবো, তখেল্লবা পোইলা, ইরোইবা মেঙ্গর, ৱাহেংবা শেনুংবা, কোনশবা পাম্বোম, চোংথা থুরামচা লোইনা তিরে। ফুলাদাক অহু মরোল অহুম কোয়না কমথরে। ৱাচোই ওাংহুনা ময়াম রা রা লোঙ্কি। ময়াম য়েংহুনা তেনগুবা কুৎনা হায়রকই:- থম্ভুনা থল্লবদি অথেংবী থবু হায়বা অহু হনক্কা থংগদৌরিদো।'

লাইশ্রবা সেবকহন- হোয় তা কুৎ। ঐগীদি তঙাই ফত্রবনি, অহুগা ময়ামগীদি মাহুমক চুমগদৌরি।'

মাইব্যা কৈরুংবা- অহুবু তা পোইলা, লহানমথে নিংথৌগী থৌ পুত্রিবা আস এথোয়না থঙরিবা ইংবুঙো অসিগী কুপাননিদো।

ইরোইবা মেঙ্গর- হোয়নে কৈরুংবা। অহুপ কুইরবা অসি মচাক ময়ল চাহুনা লাগ্লবমিনা হৌজিক্তি-মপুগী কামগদবা মতম অসিদা থাদোকপদি ফওেদো, মনিং থুংহনদবদি চুমদেনকৌ?

ৱাহেংবা- হেরা। হৌজিকসু কনানা থংবা? মাম হাজারি, ইবাই পোইলাখোইনা কিরিববু ঐখোয়গী থুং য়ামদে, অসি নত্রা? য়াইকুল লাকপা হায়বা অসি লাইমচানি থঙউ। নিংথৌ ওইগনি হায়রিবনি।

কোনশবা- হোয়, থোঙাইবা পাঙ্গিনসু অহুম হায় হায়বা তায়।

চোংথা- অহুদা তা পাম্বোম! হন্দকী লান অসি লান্দা অমা ওইনা তৌরি। লাঙ্গর মী হাংকসু হায়বা অসিবু করিনো?

তেনগুবা কুৎ- হেরা খুংতামচা, চংনা কাও হায়রিবসি ওইথোক্লবা ৱাদিদা; মীনা এভোপ্পা থাং চিংলগা ঐনা মাঙোপ্পা কোক থিংজিল্লুগত্রনে?

লাইশ্রবা- হন্দকী অসিদি লান মত্রা অমনি। মায়া ওমক্তে কমায়বদু, নত্রোসনামুদ ফাদুনা বিজুগুদু য়োনবা পুলবা য়াদে হায়রি, অহুগা কাহার লেংগনি হায়বগুমসু তৌরি। শিজা অথোকপী থুংশিরে, থাবলনৈমথোইগী কোয়ংগী নৈমশিজশিং থাইহাক নৈতনা লম্বান তাম্রা লাকপসু উই। থুগ অমা তৌরি।

তেনগুবা— হোয়নে সেবকইন, ঙসি লৈউবিনহু মতা অমা তৌই। তেজোন অহম হায়বহু নত্রেহ হায়নরিবো। লৈগায়, ঙসিবু, মতা মমা তৌদ্রি। নিংথৌ মচিন মনাউ, অহম অসি ঙথোক্না চাহথবনিবো, নরনে ফেরুর সাহেব ?

কোনথবা— অরু মাইকুল লাকপনা নতাঙনা কাহুনা পুগনি হায়রিবা অসিবু করিনো ?

তেনগুবা— অহুনবু তেজোন অহম হায়বহু তাগদৌরি হায়নরিবাসিনিদবা। মাইকুল লাকপহু হিকহৎবা থাগনি হায়হনা হায়রি; নিংথৌনা মাবু কনগনি হায়রি মসিদা মাইকুল লাকপনা নতাগবা কাহনা পুরবদি তেজোন অহম হায়বা অহু তাত্রিবরদো ?

চোংথা— করম্না করম্না ? ইবাই পাম্বোম। নিংথৌগা মাইরাকপগদি মীচং অমতা ওইগদৌরি। ঐখোয়গী মাইকুমাকপদনি তোঙানা তাগদৌরিবা অহুনদি তেজোন অনিদনি, ইবাইথোইনা পংহানুত মহায়।

ভথেরম্বা— হেরা থুত্তামচা। পম্মেংম্থ খেৎকহুদা। পুরানগী বা হায়বা অসি চুমদবরা হায়বহু হেক মথোকইদোসে। শা মমাংদা অঙৌবা মক্রোক ত্রাগনি হায়বহুবু ঙরাংদা নথোই ঐখোইগী মাংদা হেক মথোকইদোসে।

মাইব্যা— তেজোন অহমদি খ্রিয়া হাজারিগী ইমুংদা হৌজিক্কা হেক মথোক্রেদনা— তেনগুবগী তেজোন, চোংথাগী ফৌজ, ভথেরম্বগী লাম্মী।

ময়াম— চুম্মেদো, চুম্মেদো।

লাইশ্রবা— অহুগা শীজ অথোকপীথোইগী ফৌজ অসিনা অসিদা তোয়না তোয়না লাকইবা অসিনা করিগীনো, তেজোন মরি থোকদৌরিব্রা ?

মাইব্যা— হেরা, সেবকহুনথোইনা শীজ অথোকপীগী ব্যাপা মহায়বসিবু করিনো ?

লাইশ্রবা— ইঃ অতো ফজেবো। তিংদা মাংদা লুত্তুং তাবা মাদী অমতা অবাংপা হায়ব লৈতে। খুনীং য়েংই ঙাক্তেন মচিন, পাম্বোম য়েংই শামু মনাতোন— ।

মাইব্যা— মায়থোং য়েংঙি পুর্ণিমাগী থা ; শেবকহুনা ঙাওবমক চুম্মি।

ময়াম— অং অং চুম্মেদো।

লাইশ্রবা— শীজথোইসিনা তোয়না খোংদারবদি ইমুংগী চুপী অমা মুপীং বাংপা। হোয়নে [illegible] অসি লাম ওইরোইদৌরি— চুপী চেনবহুব তাগদৌরিবনু করিনো

শানোংবগী লান

ময়ামবুং মহারাজগী সনাআতগী বিদায় লৌরকপা ওদি মমিকি মতুংদা ওদি ময়াই ইবুংঙোং য়াইফুল লাকপনা ময়ামবুং মহারাজগী সনা চরণদা মথাগী অহুম্মা পত্র [illegible] [illegible]। "[illegible] য়াম্বুং মহারাজগী সনাচরণদা ননাই ঐহাক্না পত্রগী খোং ওইনা [illegible]। ননাই ঐহাক্না মহারাজগা পোকমিন্নবা ননাউনি অমসুং য়ামবুং মহারাজগী রাজভক্ত; ওইবা প্রজা অমসুং কর্মচারীশিং ওদি কাওবা মতম লৈরি ননাই—ঐহাক্না তাক্সরকইবা শা অহু অমুক লোংশিন্নগনু। [illegible] ওইবগী অচুম্বা রাজশক্তি ননাই ঐহাকী প্রাণনা কণ্ঠদা লৈরিবা অহুপকী মথৌদি য়াম্বুংনিংঙৈ য়ামবুং চরণগী কৃপাদগী কায়দবসু ওইসনু। নত্রবদি অয়োন অরান অপুম্বা সনা চরণনা ওাকপিনু।

পত্র পারগা মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা হায়রকই— ওয়োকপনি। ওয়োকপগী পুক্চেল্লি। [illegible] হুত। মহাক্না হৌজিক করম তৌরি?

হুত— মহারাজ! ননাউ ইবুঙঙোদি লম্বান্দা লালগীদমক খোম্লাশায়না লৈরে। হৌজিক সনা য়াথংদা ওাইহুনা লৈরি। পত্রদা হায়রিবা অহুত মতুনা অমুক [illegible]—করম তৌজৌ হায়বগে ওসিমক সনা নোংদম অমতং তমবিন্নক্তবা য়াদে। হয়েং সুংথিল পুং ৫ তাবা মতমদা সনাকোঙ্গুং চংনবা যাত্রা তৌগনি হায়না তাক্সরকই।

মহারাজ— থংলে। অফোংবা রাজবিদ্রোহী। বিষকুম্ভং পয়োমুখং। অঙম অথৌ কনা লৈবগে? লৈবাক্তা রাজবিদ্রোহ অমা থোক্কদৌরে। লানগী তৈন্মায় তৌদবা য়াদ্রে। হুইনাও চাল্লগা লুত্তোন লেকপা হায়বা অহুনি।

"চংলো হুত। থংলে। নংগী নবুঙঙোদা তম্মু—মাগী মথবাই অহু পান্মুন্নবা অমদি মাংদনবা কম্না ওাকশেনু। ঐ অমুক কলম পায়ররোই—নবুঙঙোদা অমত্তা চিথজনা তম্মু— নিংথৌদি নিংথৌগী হৌনবী ওাকনা য়াদে; চংজরকপা মীবু ওাকপীবা, অশোন্নবু অকনবদগী কনবিবা, চুমদবা থবক কোক্নবীনমক পুংলাই পায়জনা নিংথৌগী ধর্মনি। কৈগী ময়াদা তারবা শজিবু কমনা কৈবু শোন্নদনা মাংহল্লবা য়াদে। মহাক্না তৌরকপা পুন্নমক কাওদে; মহারাজ খগেন্দ্রজিৎ তৌবিমল থংদবা নিংথৌ নত্তে; মতম্না, থবক্না, অবস্থানা মাহু, ওাকপগী মতম নত্তে। চংলো, থংলে।"

হুমিং মাজোল ময়াই য়োবা মতম্রি। সনাকোঙ্গুংদা থাজবুং রৈনা তাক্লে; অঙম অথৌ পুন্নমক তৌইনা সনাকোঙ্গুংদা তিত্রে; অকন অথৌ পুন্নমক রেমনা মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা লাউরকই— "লৈপাক্তী অকন অথৌ পুন্নমক তাথিনু। [illegible] তৈন্মাগী মদি অমা কদি নত্রবগী মাংদৌন্নিদসি পাম্মুই। লৈবাক প্রজা অপুম্বনা থংবিন্নিবা অহু মতাই, ঐগী [illegible] য়াইফুললাকপা হায়বা অসি মরেবাক হুংশিন্নবা, ময়াম্বা শিংলবা থৌনা [illegible] নিংথৌ মতাংদি। ঈশ্বরগী অঙকপা

খুজিল অমনা হৌজিক মহাকমকা [illegible] [illegible] তাত্রে। লৈপাকী অকন অথৌ [illegible]: মহাক্কা করি তৌবা ওমগনি, মহাক্কী মপাদা খুৎলাই থবিয়ু, লানা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পায়রে। [illegible] [illegible] [illegible] মী অমা [illegible] লৈবাক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মুমুং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শীঙা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থেংনবা [illegible] [illegible] [illegible] পুরেংহুন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।”

নিংথৌগী সম্বাদং তাহুনা লৈপাক প্রজা অপুবা [illegible] শেঙি পাম্বনা লৈরে অম্বা দা কৌহুংদা খৌরুগনি হায়না নীংনরবা লানথীদমক লোংখুনা ওইহনা লৈরে।

মতুংদী মুমিং অহুমগী মুমিং মুংবে; তৌইশুমংং নানিগী করিশুবা খুদম অমতদু উরে। অশোবদা লৈবাক প্রজা অপুবদি মিনি চুমা তাইরি। উমা [illegible] পুং অমা, অনি, অহুম, মরি, মঙা তাগ্রে। মাইবতোন লোইশংদা মঙা তাবগী পুং থীরে। [illegible] [illegible] [illegible] মতুং ইন্না চেকশিলো। হায়রুনা [illegible] [illegible]।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মহারাজনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

ইশৈ

মণিপুর মাতানা জয় ওইসনু।

মহারাজ খগেন্দ্রনা জয় ওইসনু।

লৈবাক নীংবা মপুনি মনাউ চানবা নিংথৌনি

নিংজমরকপা [illegible] গুংগনি।

মহারাজনা জয় ওইসনু।

অসৌমদা মনাউ ইবুংঙো খুইরাকপনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নোংঅমি [illegible] "সন্যাকোহুং অপুম্বা থক থক নিংরে।" [illegible] লাম্মী ভেংগোই [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মমাংদা শামরকপা পুম্নমক কাম্রে। হনবা লৈত্রবা মনাউ [illegible] [illegible] [illegible] কোহুং [illegible] হায়বা উহুনা মনাউ ইবুংঙো খুইরাকপনা খুৎলাই থোরে। হায়রুনা সনাখাক পীরে। [illegible] [illegible] অথেংবা লান শোকরে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মতাদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মহারাজ [illegible] [illegible] [illegible] ইবুংঙো [illegible] [illegible] জয় ওইরে।” [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] —

“মহারাজ—[illegible] [illegible] তৌবা ঙবা ? [illegible] [illegible] লৈপাক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পায়রো।” [illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পৌবোর্বা। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] তাবল [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বাবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অর্বা [illegible] [illegible] [illegible] মীগী [illegible] মনাকোইদুং অপুবা [illegible] [illegible] ।

মণিপুর রাজদরবার

মাইকুল লাকপনা কাহাড়দা চেনথবা মতুং নোংমা কোনবদা ঙসি অমুক সনা কোন্থুংদা দরবার ফমলে। লৈপাক্কী অঙম মথৌ পাত্রমন্ত্রী লোইনা [illegible]। [illegible] য়েং [illegible] মনাউ ইবুংঙো খাইরাকপগী অমসুং ওই, ওইনা মনাউ ইবুংঙো মাইকুল লাকপগী [illegible] [illegible] [illegible] লৈ। সনা মাংদা রাজ পণ্ডিত ধনঞ্জয়। ঙসিগী দরবার অসিগী দৃশ্যসু ওহোকপা অমনি। মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা চিন্তা তৌদুনা খু লুকথদুনা সিংহাসনদা ফমলি। মহারাজগী অবস্থা উদুনা কনা অমতনসু মা হোৎদোকপা ঙমদ্রে; সভা পুম্নমক পুরচীক চীকথ্রে। মহারাজ খগেন্দ্রজিৎসু মা হোৎদোকে নীংবা পুক্রিংদা নৌনা নৌনা হৌরকইবা মাখলগী ঈথক্কা থুন্দংখিদুনা তাংখোকপা ঙমখিদ্রে— মরক মরক্তা মাংদা হাংলিবা ফমফম অদোমদা য়েংদুনা অবাবগী খুংশুমপী হোৎলি। অসুমা ঙাইহাক লৈরবদা মহারাজগী মনাই অচানবা খোদাম মণিভদ্র লাক্লুনা সনা চরণদা খুরুম্নে। মনিভদ্র উবদা মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা মোমোন নোক্লুনা হায়রকই:— "মণিভদ্র নং লাক্লগা থংনিং নীংখিং লকই। করি নক্তবা বাখল তৌদুনা ঐগী তোগদবা থবক কাউথোক্লরে। পাত্রমন্ত্রীনচিংবা লৈবাক প্রজা অপুম্বা তাবিয়ু; ঙসিগী তিল্লিবা সভা অসিদা খুমগদবা অমসুং [illegible] [illegible] অতুক থমখিদুনা হান্নগী পন্দুনা লৈরমলবা থবক থরদং অতুক লোইথোকচনগে। মণিভদ্র! নংনা শেম্মুবা লখী থোং পুম্নমক লোইরত্রা? যুক্তাল অমসুং মনাক নক্লা লৈবা লম অমতদা কত্তবা লৈকুং লৈতোং [illegible] [illegible]। চেক শানবা কুমন্দ্রীমক বজোনবা তোগে [illegible] [illegible] চংলো। থবক্তা [illegible] [illegible]।"

লৈবাক প্রজা অপুম্বা তাবিয়ু। পাত্রমন্ত্রী অপুম্বসু তাবিয়ু। ইনাউ — কদাই ইনাউ ইবুংঙো খাইরাকপসু যৌরকাত্রিবোইনা? করি তৌরম্নগে?. মহৌশাদি থক থেংদবনিনা?

[illegible] অভিনকতদা মনাউ ইবুংঙোসু লেংশিনকুনা মহারাজমু খুরুমলগা হংলকই। মহারাজ! [illegible] লান অহুদি লান নত্তে; মুপী চেনবা ওইরমলে। মনাই ঐহাক ঙাংদি থংবু থংজে। ঙসি [illegible] চংনরকপদা মনাই ঐগী থকসু অমা শাত্রবা। মথাদসু অমা পোমজত্রবা লতাসনা

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]নি ? [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুরুতেন [illegible] শানোংবশী [illegible] [illegible] ওইগনি ? [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চেনগনি ? [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হেত্তবনি ; থবাই বাবা থংদবনি। ননাই ঐগী থবাই অসি [illegible] [illegible] [illegible] মহারানী — শানোংবশী খুং অসি ননাই ঐহাক্কি লৈপাক অসিদা থমনিংত্রে ; ননাই ঐহাক্কা পামজবদি— মহারানী থার অসিদি কররবা থারনি ; গর্ভদগী হৌনা শোইবনা মতিক চাপদমাক্কে, অদুগা মাগী [illegible] [illegible] মতিক থোকপা দণ্ডি কংসদু !

খগেন্দ্র— হবুংভো ! ভপথৌ, মানা হৌজক চেন্দুনা হেংগত্রা ? ভপথখো ! মাগী বিচার তৌরগা মতিক থোকপা দণ্ডি পীগনি

পুইরাকপা— মহারাজ ! মাগী অওইবা বিচার হায়ববু অসিনি ! [illegible] ধর্ম থংলব; পুরুতেন [illegible] মীসি থার লৈরবদি মণিপুর সনা লৈপাক অসি মঙ্গ কংনা মাংলরগনি !

মহারাজ ! ননাই ঐহাক মহারাজ খগেন্দ্রগা পোকমিনবা মনাউনি ; মণিপুরগী ক্ষত্রিয় রাজবংশদা পোকপা [illegible]নি ; ননাই ঐহাক্কা হৃদংচবা লৌবিয়ু— হৌজিকমক শানোংবশী মতিক থোকপা দণ্ডি পীবিয়ু।

খগেন্দ্র— কনা কনা লৈ ? ওসিমক মায়কৈ মখি চাইফুনা থিয়ু— শনোংবশী থার কনা কনা লৈরি, মাগী তেংবাংবনা কনা কনানো ? লোইনা কাপ্পা পুরকউ।

ওসিগী দরবার অসি অসিদা অদুম্বা কায়নরসি ; লৈবাক প্রজা অপূবদু পোথাবিররো। ইনাউতু হৃজিন্দুনা হুংভাইনা পোথাবিররো ঐনা থবক পুরমক শোয়দনবা পীনগনি ; ঐহাক ইচাগী লৈকম থংনবা থিগে।"

[illegible] নিংথৌগী রাথং [illegible] প্রজা অপূবদু লোইনা [illegible] মায়কৈ মরিমক [illegible]— মহারানী সনা রাথংনা শানোংবা রাইফুল লাকপগী থার মথৈ গর্ভদগী হৌনা শোইফমদি। মাসি ক্ষুব্দা রাইফুল লাকপগী থার মথৈ মায়কৈ থংদনা চেরখি।

য়াইস্কুল লাকপগী পুন্সিগী অহানবা অৱাবা
ৱাখল অমস্থুং ৱামপুরদা ৱাতাম্নবা

ঙসি পুর্ণিমা হুমিংনি। তৌইগুমসু অতিয়ারোমদা য়েংলুরবদি কনানা পুর্ণিমা হুমিংনি হায়বা খাজগনি ? অমুবা নোংগী মপেনা অতিয়া অসি মরোল চায়া থানা কুপশিনখ্রে। খরাম্ফিচুকী নিংথিবা মৈরাং অমতন্থু পুর্ণিমাগী শংবাম্নবা মালংদা শাত্রে। মাহুগী মহক্তা মমক মরক্তা নোংখাং লৈমনা মহাক্কী শাংলবা খাংশাং হাইহ্নুনা মীগী মমিং ঙকহল্লি অমস্থুং অমমবনু অমুক হেন্না মমহল্লি। অতিয়াদা— অৱাংবদা নোংখাকপনা পৃথ্বী অপুম্বা থ্রুক থ্রুক নীকলে। ওন্থোক্লপনি। ঙসি অসি প্রকৃতিগী ওন্থোকপা অকিবগী মশক ওইবা মুর্তিনি। উনা উনা নোংনা য়োংগুক তাবগুম তাখরক্লে। লৌবুক, খুল, লম্বী-থোং পুম্নমক নোংগী ঈশিংনা তাওখোক্লে! অহুমক্কা নোংনা অতং অখম্বা লৈতনা মীকপ মীরাওবগুম জং জং শিশ্বরি। মহৌশা হায়বা লাইরেম্বীগী তুংন্তুংনবগী মশক ওইবা শকফম অসি উত্তনা ঙসি তাইবং মীওইবা পুম্নমক্কা খোংনা পোৎলোন য়ৈশিন্নহনা তুমনখ্রে, পৃথ্বী অপুম্বা পুমচীক চীকখ্রে, মীচিক মীরাওখোন অমত্তা তাদ্রা কংখিদ্রে ; নিনবগী মতুংদা অরাঙ্গদা হৈনৌ পাখী মথক্তা কাক মতৈ-মনাওনা মহুম শাবা হৈ: হৈতে হায়বগী মরমদা খংনরি— প্রকৃতিনা মখোইগী মৱা তাবা লৈতে। হৌনবী মতুংইন্না কাক অমগী মহুম চোৎপদা করি ৱাফম থোকপা ? অরাঙ্গদা অতনবা কনাগুম্বগী ষণনা যাঙ্গোহ, কায় হায়হ্নুনা ফিশা মতৈ মনাওনা মৈরা চমহ্নবা ষণ তাল্লি ; হুই তৱা মঙাদং কুনকম ভুগোৎ চাত্রক্লনা সপ্তম স্বরদা কাউরি— ঙসি অসিমক থাঙ্গৈশেংবা হুরানবগী অহিংনি, হুইনা খোংবনা কনানস্থু তুম্বা কায় হায়বগী চিন্তা তৌরোই ; নিনবদা অসিমখে মঙাই— নোঙ্গৌবী অনি অহুমনংদি য়াম্না হয়াওনা তুইনা মীংকাকপা থুংলে হায়বা মতাগুম্না খোংলি। মকুনা পোখা পোখানা তাল থাল্লি। মাহু তাবদা প্রেম কবা হুই কনানা কপ্রস্থু য়াওরি। অসুম তৌরিঙৈ অসিদা হুংশিং নিংথৌসু মাগী খোংমী হুমফুমরি পুহ্নুনা থুংলরে। কনাগী য়ুম শীদোকই, কনাগী ৱা থুদেকই, কনাগী শঙ্গোই ঈনথুরুই, কনাগী উ হুমদেকই।
নোংগী অকিন্নদগী য়াতাক্লবা তাইবং মী অপুম্বা অমুক য়াকাইরহ্নুনা কনানা কাপ্পদা, কনানা উপু কায়রক্তা, ঙমনা লোৎনখ্রে। কনানা ফুঙ্গাগী মৈ মুৎথৎলি, খুদক অহুমক্কদা হুংশিং নোংলৈ অমনা ষাতিগাইগী থাওমৈ মুৎথৎলহ্নুনা মৈ চম্যম লৈত্রহ্নুনা অৱাবা চিন্তা তৌরি। অসুম্না অকিবগী মশক ওইরবা অসিদা কাছাড় ৱামপুর খুন্দা অপিকপা থাঙপোকশং অমগী মতুংদা ফমহ্নুনা থুংচুবা খেঙনা অৱাবা ৱাখল তৌরিবা অলিবু কনানো ? হুংগাইবা নঙনা অৱাবা খক মংলকত্রবা, হুংগাইবা নঙনা অৱাবা খক খংলকত্রবা অকিবগী মনি তাত্রবা খঙ্গোইদা কহিগুদা নীংবা কায়বগী অয়বা পুকচেল শকত্রবা মহারাজ খগেন্দ্রজিংকী মনাউ ইবুংঙো অতোম্বা য়াইস্কুল লাকপনা ঙসি কাছাড় ৱামপুর-খুন্দা অপিকপা থাংলোকশং অমদা ফমহ্নুনা কহিদী অতাবগী চিন্তা তৌরিবা।
প্রকৃতিগী অসি ওন্থোকপগী মশক ওইরবা মুর্তি অসি উবদা অমাংলৈগী থাজিগী লানদগী হৌহ্নুনা

ময়াবুং খাইরাকপগী শরাইদা লেংবা কাওবা— থৌদোক পুরমক আসথম্মোহন্নী "মিংশেন্না মথং মথং লোইনা তায়রে। [illegible] থৌরাং— ঙসি অসিসু মমাংথৌরা ময়াবুংগী শরাইদা লেংবা চুমিং অহুপা অমত্তনি। মমৈদা য়াইস্কুল ল্যাকপনা খোল্লেল থোক্না হায়জোক্রকই :— "করম্না শ্যানোংবা য়াইস্কুল ল্যাকপনা ল্যাপ্না মায়থীবা ? কৈ, মায়থীরো; লানমী শিদনা চেনকদা ? ঐ অমুক থাংবা ঙমরে— লানরমু চুমলবমু ঐনা হিকহজবা হাৎকে হায়দোকখ্রে— ঐনা হৌজিক তৌরদবা হায়রবমু মাবু হাংপা নত্রগা ঐনা শিবা অসিতনি।" প্রকৃতিগী উপদ্রব অসিনা মনাও চিংডোংগী থৌগল ইরকপা মনাইশিং অমসুং লবক ভুবা য়াম্রমদে। লতাসনাসু হৌগংলো মপাবুংগী থৌগল তৌরম্মি। মপাবুং য়াইস্কুল লাকপনা লতাসনা য়েংহনা হায়রকই। "ইবেন্দা লতাসনবা ? তাও, ইপা বা হায়রগে। নংগী পুক্নিংগী অচেংপা য়াশক উহনা ইপানা নংবু য়াবুংগী সেনা শেগারগী শরুনা পুররুবনিদ্রো। হৌজিকমকসু হায়মু— নংবু মণিপুর তাম্না থিমুনা য়াবুংগী সেনা নাক্কা কংলু হায়রা ? ঐনা হায়রিবা অসি অভাবা মখৈনা য়াম্না মোল্লিংবা য়াই— তৌইগুবসু ঙসি অহিং অসিমদা ইপাগী পুক্নিং অসি ওন্থোক্না ওনথ্রে; ইপাগী হৌজিক তৌরবা হায়রবমু ঐগী থবাই অসি থারবতদা ঈংবা ওইগদৌরি।

সুজনতা— পাবুং ইকুঠো। সনা পুক্নিং তপথবিমু— নমাই জ্ঞান মৈত্রবী সুধীমচানা হরকবদি চুমলমনি— তৌইগুবসুং অতুবু নমাই ঐহাক্না সনা পুক্নিং তপথবিমু হায়হনা হরক্নি। সনা পুক্নিংদা পাংলে হায়না লেপ্নিরকপা থবক পাংনবা হায়রা হোৎনেমিমু। মতুংদা অতৈ য়াথক অপুনগী পাংনবা উপায়সু মরাইনা লাকচপনি। নমাই ঐগী মরমদা হঙক্টো হায়রবদি লেপ্থবা পুক্নিংগী ইকাইখুম্নবা ওাকে হায়বদামক, সুদী ওইবগী পুক্নিংগী অথোইবা পাজল উংকে হায়বদামক, ইপা ইমাগী হুংশিবা, নিংথৌ মচাসুগী ওইবগী সুঙাইবা পুরমক থাদোকুনা থৌগল ইরকরবনি।

য়াইস্কুল লাকপা— উম চুম্মি। নংনা হায়রগা ইপাসু নীংশিংলে। ইচাগী নবাহৈ অসিনা ইপাগী থম্মোইদা ওলাংথাগী চন্দন খিকপা লৈরাংগুম্না ইংননবা মশক ওইরে। পোকপদগী ইপানা নীংবা থুংলক্কবা তৌগ্রি— হৌজিকসু তোহনখিরোই। মীওইবা হায়বসি থবকী পোকপনি— থবক তৌহনা শিগদবনি। নংগী পাউতাক অসিনা থম্মোইদা অবাবগী মৈনা হেক চাকথং লকপদা সুনগী ঈরা ওইহনা পুরমক লেমলে। হৌজিক ইপাগী পুক্নিং হুংঙাইরে নংসু চুম্মুরো।"

নোংমা আকাশ [illegible] শংশিনা [illegible] মতৌওম্না [illegible] [illegible] লাকপগা লতাসনাগা ওংনরবা অমুম্না [illegible] [illegible] মৈবা [illegible] [illegible]। হৌজিক মপাবুংগী য়াথং কংলবদা লতাসনাসু [illegible] [illegible] প্রকৃতিগী [illegible] হায়রবা অসি [illegible]। হৌজিকতা [illegible] [illegible] অসিমক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মাংথোকনা অভিমা অসি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

নোং থকপা অমসুং থোংবনা পৃথিবীদা লৈবা জীব পুম্নমক্না থবাই অসি থক থক নীত্তমই। হৌজিক মহৌশাগী অহুগুম্বা আকিবগী মশক ওইবা শকথম অদু কদাই ? যেংউ, হৌজিক মহী চেনবা থাবদা পৃথিবী শিনবা থুংনা শিথরক্লে। অয়াংবা থবাম্চিতাকী লৈরাং জিলিং জিলিংদা অহিংগী শংবাজবা মালংদা শাংকায়রে। মালেমথক অসিদসু মাহুগী মতৌ ওমদুনা অহিংগী ওখন জিলিং জিলিংনা অহাংবদা, উনাদা, লৈপাক্তা পোথা পোথা ওাক্তি। পোথী চেক্লা থমসু লৌনম চাউরবা প্রকৃতিগী নিয়ম থংলহনা ওাইহাক কোয়পাই পাইহনা থোংলগা মচমদা হজিনবা হোৎনরি। অতুম তৌরবা মতম অসিদা মরৈপাক থাদোকপগী পুক্নিং হুংশিহনা লৈরবা মৈতৈ মচা পুম্নমক অদু কনা অমত্তসু তুম্বা য়াম্নমদে। মতম অসিদা য়াইস্কুল লাকপনা মনাইশিংগী থাংপোকপাংদা চংলজুনা হায়রকই— "মহৌশাগী নিয়ম হায়বা অসি ওথোকপনি— হৌজিক্তা থোংলম লাউম্বা অদু কদাই ? অদুগা তাও, লৈপাক মচাশা। ওসিদি ঐসি ওন্থোক্না [illegible] [illegible]গী থম্মোইনবু অথাবা অমসুং নীংবা কায়বগী মকম পীরুরে। থনবতা নত্তনা অয়ম্বগী মতৌওম্না চীন থোকউরে। লতাশনানা— (অসি ঐখোইগী থাম্নি হায়বদা য়েম্নকম্নি)— পোক্লগে তৌরমক্কা ঐনী থম্মোইদা অনৌবা পাজল অমুক পীরে। অদুনা লৈপাক মচাশা। হৌজিক মরক তৌসি হায়রগে ? ঐখোইনা নীংলকইবা অসি অরেম্বা তাগদৌরিব্রা ?

লবঙ্গ - সনা য়াথংসু তাকপিরে। ওসি অসি অহিংগী তাংলৌদি থেংনবম্ন ফুমমু য়াগদবা লৈত্রে— ঐখোইগী তৌগদবগী মরমদা লোইনা তানহৌরসি।

য়েবকহন— ঐখোইনা হৌজিক বাগদবা হায়ববু লাম্নী লৈত্তবা অসিনি। অদুগা মতম খরা য়ামসুর হায়রিবা মকম অসিদা লৈনবা তৌহনা লাম্নী থরা থোম্বা অসি ঐখোইগী অথোইবা তৌগদবা ওইরে।

মাইব্য কৈরুংবা— মরোল ইরোলম্ন থংনদবা নিংথৌ পান্দুনা লৈরিবা লৈপাক অসিদা ঐখোইনা কয়া লাম্নী থোম্বা ওমগনি ?

[illegible]— [illegible] পাট্ট লাকখিগনি। হোৎনলনদি [illegible] [illegible] হায়রা ওমগনি। ঐহাক মাহুগী, পুরুমচাল্লা, থমসু উরে। হৌজিক্তি মাহুগী [illegible] [illegible], ঙসি [illegible] ঐ কয়া থিবিখিগসু— মাহুগী তাংদাংবা অমা [illegible] ঐ ময়ামদা [illegible]।

[illegible]— ঐখোইনা লৈরা অসিদা [illegible] নিংথৌনদি [illegible] [illegible] [illegible] ?

[illegible]— [illegible] পাংজিতোল হুমিনসু নোঙৌ [illegible] অদুনি। [illegible] হায়া লৈকমদি নিজ্জা[illegible] ?

[illegible]— ঐখোইনা [illegible] তৌরবনু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

মাইহুল লাকপা— ঙ্‌ মাকুনা ঐহু হায়া [illegible] [illegible], ঐহাক্‌দি মীতৈলাক অসিনা মৈতৈলী লিংচৎ থীবা লোইহ্রি। [illegible] মৈলাক অসিনা মৈতৈলী [illegible] [illegible]। মীতৈপাকা মৈতৈলী গুণ তাইনবদি মসিনা [illegible], [illegible], [illegible] মক [illegible] [illegible] নত্রবা [illegible] [illegible] লোংপোকপা মৈতৈলী গুণ তাবে; অসোমলমহু [illegible] [illegible] মৈতৈলী লিংচৎ [illegible] [illegible] নত্রা? [illegible] [illegible] মাহু লিংচৎ থীবা [illegible] লোকপা মাই; [illegible] [illegible] [illegible] লোক্রবা [illegible] হোৎনসি নবক। নংনা তৌরি হায়বা থবক, [illegible] পুনা অওইবা [illegible] হোৎনরো মাহু লংলগা অমুক তামসি। [illegible] কনা থেংনরিগনি। মরামহু পোথাকরো।

বরাক মপান্দা লবঙ্গ অমসুং নবীন।

লবঙ্গ— বন্ধু। ওসি অমুক মরুপকা উনবা [illegible] অসিদা গুহোরা সুংঙাইজরে। মীরৈবাব অসিদা চৎথোককমমক্তা লৈজদে — মরোল ইরোম থংনদবনিদা কনানহু ঐখোইবু সুংশিখিবা মাওমে বন্ধুনা অসিদা লৈবিবা অসি কয়াদি কুইবিরবনো?

নবীন— চহি মঙা— কাউশিল্লকলোয়া বন্ধু। চহি মঙা তককলোম থরহুম হেল্লগত্রা নীংলে কোয়রুরদা বন্ধু তেথাউ, তখেল, মগ, খাসিয়া জয়ন্তিয়া, শিলোট কুইনা কুইনা লৈরুরব ঙাকনি। বন্ধু খোইদি ললোন ইতিকী লাকপনি হায়রগা মীবু য়ায়া হৌনহুনা লাকইদা? মণিপুরদা খগেন্দ্রজিৎ মহারাজনা পানবা সুংঙাইয়ে হায়বদাইদো?

লবঙ্গ— অং, অহুম তাবরা? মীরৈপাক অসোমদা মণিপুরবু কয়ম কয়ম ঙাংনবগে তা তানীংঙিনে বন্ধু।

নবীন— মণিপুরদা তৌবা থবক্তি ইতাও, অসিদা হায়া তায়। হন্দক্তা থাগিবু ঙমদে হায়বদাইদো। মহারাজ খগেন্দ্র মশা অসিমক লাইরা থাবা নিংথৌনি হায়নৈ; অহুমা মনা উমংঙো অনি অহুম লাইনি— কনবদা, থৌনা কবদা, মরৈপাক সুংশিবদা, লৈমনিংবৌ থবক [illegible] মঙ্গল লুনা তৌবদা পৃথিবীদা তাংডি [illegible] অসি ভারত [illegible] [illegible] [illegible]।

লবঙ্গ— অহুগা বন্ধুদি মণিপুরদা অমুক লোংঙরোইত্রা?

নবীন— মরুপ! ঐনা মণিপুরদা অমুক চৎলুনা কনি [illegible]— [illegible] [illegible]— [illegible] মৈপাক কোয়রা অসিনা ঐগী সুংঙাইবদি— [illegible] [illegible]— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

লবঙ্গ— নখোইবহু জন্মভূমি দর্শন তৌবা য়াদে হায়বা কনি লৈবগে? [illegible] [illegible] হায়জরিবা অসিদি— ঐখোইবা [illegible] মণিপুরদা, [illegible] [illegible] [illegible], [illegible]

লৈমিহনবদা অমুক দেশ ভ্রমণ তৌরিবো। মণিপুরগী "[illegible]" হায়বা অদুগা [illegible] হুংশিনবিদা তৌবিগদবা।

নবীন— অদুনা বন্ধু! ওহোক্রা হুংশিনা ওহোক্রা চৎনিংঙেদবা, অদুবু হুনগী মথোক [illegible] ওমগনি হায়বা নীংঙেদনা। করিগীনো হায়দুনা বন্ধুনা হংবিনীংগনি হায়না নীংই— অদুবু ঐদি সাধু [illegible] জাংনি, লৈপাক কোয়বনা ইথৌনি হায়জগ্রবহুনিদো— অদুনা—

লবঙ্গ— অদুবু মণিপুরদি লৈপাক অমা নত্রবরনে?

নবীন— লৈপাক অতে পুম্মক্কী হেল্লবা স্বর্গধামনি। অদুনা বন্ধু ঐনা চৎপা য়ারোইদবা মরম য়াম্না লৈরে, কোয়া মখংবিরকনি— হৌজিক্তি মণিপুর অদুব কয়াম কয়াম তৌরোরিদরে [illegible] ভম্বিয়ু ইতাও মাহুম তাসি। অদুগা—

লবঙ্গ—বন্ধুনা ঐবু থাজবা য়াবা মরুপনি খংবিয়ু হন্দক্তি অমুক্তা লেংসিদা। করি কারবগেনে? বন্ধুদি দেশ ভ্রমণ তৌরিবা সাধুনি, ঐখোইগী মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা য়াম্না তরাম তরাম ওকপগদবা অমনি।

নবীন—খংজরে বন্ধু! ঐনা হায়জনিংঙ্গিবা অসিদা বন্ধুনা হায়হনগদবগী ওহোক্রা কয়া লাক্লখরে! লৈপাক কোয়বা মীনি, ঐনা কনাবুস্থ কিবা লৈতে; কনাবুস্থ ঐনা ইকাইবা লৈতে। বন্ধুগসু ওসি চাসরগী— হয়েংদি ঐখোই অনি ঊনগনি নত্রগা অম্মা হুংশিনবগী বারী শাত্রগনি হায়বা কনানা খংবা? শেঃ বন্ধুনা তাবা কায়বা নত্তে হায়দুনা ঐনা মহাক্মথৈ ঐগী পরিচয় তাক্কবনি। ঐ অসি চীংনাং খোংনাং মখোংদা লৈবা লাইরেমলাকপম মচানি; মমিং নবীন কৌই; ঐনা পিক্লিডৈদা ইপা-ইমা অনিমক শিরে; ঐহাক ঐগী শাটো অমগী মমুমদা লৈরম্বি। য়ামা পিক্লিডৈদগী ঐহাক মনাও ইবুংঙো খাইরাকপগী কোন্দভদা লৈ। মমুখোইসু মতাকিবা য়াই; মনাও ইবুংঙোগী শজাই মনাক্তা খুম্বোং মেঙ্গুর হায়বা অমা লৈ মাগী মচা মুগী ইন্দুরেখা হায়বী অদুগা পিক্লিডৈদগী হৌনা য়াম্না হুংশিনরম্বি। মেঙ্গুর অদুনা ঐবু য়াম্না তাবী; মানমি নিংথৌ ওবা অদুবা ওইনা লৈরো; অদুগা ঐদি পিতং-পাদংপা তোম্নবা মচানিদো; অদুনা অমতা পোক্তবা মচা অদুবু ঐগা প্রেম লৈনবা মতৌ উবা অমসুং তাবা অদুনা শাউহনা মানা ঐগী মাংনবা হোৎনগে তৌরে; অদুনা লৈবা য়াদহুনা ঐহাক্না বিদেশতা চথোক্লিবা অসি ওইরে। ইন্দুরেখাগী হৌজিক কাওবা মথুম পান্দ্রি হায়বা তায়। য়ানা মথুম পাক্লিবা মতমগা শিন্নিবগথেদি ঐ মণিপুর খোয়োরোয়িদবনি। বন্ধু! শিমিয়সি বাশকপবনি। মীগী মচিন্দগী ইন্দুরেখাদি অতাওবীনি হায়বা তায়, অতাওবী নত্তে ইতাও। মাসু ঐনা তৌরিবা অসিগুবনি।

লবঙ্গ— ও, বাকুভবা অমা লৈরবদি খংরে। অদুগা বন্ধু! মনাউ ইবুংঙো য়াইহুন লাকপগী থাজি থরি কল্লি তায়, ঐখোই মণিপুরদা, লৈবদি কয়িকতা তাবে, বন্ধুখোই মপাদা লৈবনা হেক্তা তারবিরে।

কবীর— মনাউ ইবুংঙো [illegible] [illegible] [illegible] নিংভাই তৌদনা লৈপাক [illegible] [illegible] ওইরে হায়বা তায়। অহুমা অয়ানবা অচুম্বা রাইকুল লাকপদি মনাইশিংগী লৌইদনা পুন্না [illegible] [illegible] হায়। [illegible] [illegible] ইতাইদু উবদা ঐনা কৌশিল্লিবা অদুগী পুক্নিংদা থিন্নবা মমা [illegible] [illegible] [illegible]।

লবঙ্গ— হোয়, বঙ্গাগীদু অওইবা পরিচয় খংজরে; হৌজিক ঐহাক্কীদু তাকচরগে— ঐহাক মনাউ ইবুংঙো রাইকুল লাকপগী মনাইনি; ইমিং লবঙ্গ কৌই। মনাউ ইবুংঙোদু হৌজিক রামপুরদা লৈ, ওখোকপনি। ঈশ্বরগী খুজিন হায়বা অসি। ইচন ইন্দুরেখাদু মতাংগা লোয়ননা— (মতা হায়বদি কুন্দলতা সনাদু মপাবুংতোনগা লাক্লে, বন্ধু।) অসিদা ওমনা লৈরে। লেংঙসি; রাইকুল লাকপনা ইতাওগী প্রসঙ্গ অসি তারগা ওখোক্লা পেল্লনি।

লবঙ্গলতাগী লুহোংবা

মোংমা [illegible] [illegible] [illegible] থাংবা মতমদা রামপুরগী অহাংবা লৌবুক অমদা মনাও ইবুংঙো রাইকুল লাকপনা মনাই খোগাদ কনা অমতা রাওনা রাম্না অমমা কাখল তৌবগী মতাংদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈরি। [illegible] অরাপা লৌবুক্তা চিদাইদা লৈপাক মচুংদা [illegible] অমা [illegible] উরে। রাইকুল লাকপনা কপি খপুনা [illegible] চিংনা য়েংলি— মণিপুর সনা লৈপাকনি— কোয়োহনবনা চীংগী [illegible] অমদা লৈশিনকথিগুম তোই— ওসিদি পৃথিবীগী মচুংদা চংখিবগুম উরে। নাম্নিবা [illegible] শিরি শিরি শিংলি— মণিপুরদা শীংবা [illegible] হেক্না [illegible] থক্লি, মরমদি হেক্না শারবা লৈবাক অসিদা অসিগুম্না মদুগী তম্না শীংবা মাদংবগী ইচেন অসি থাজনেংঙেমক [illegible] ইচেন্নমনি; [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৌবুক্তা চাক্লদি মাইকৈ মক্লিদা কোয়পাই পাইদুনা [illegible] [illegible] খোজেং খোংফি [illegible] জাক্লিংবা কংনা লাউরি। রাইকুল লাকপনা মখোইনা পাইবা উই, মখোয়না খোংবা তায়; [illegible] কনাবুনু [illegible] মিংথোনা য়েংবা উরে। মমথি [illegible] [illegible] [illegible] অসি [illegible]। ওসিদু রামপুর অসিদা [illegible] [illegible] একতিগী সিংথিজবা [illegible] [illegible] [illegible] তিরবনি; [illegible] নতনা অতৈ কপি অমমা [illegible] লৈরে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কোতলোনা খোংদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] য়েংবা [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈরখিবা মহৌশাগী নিংখিবা অমুক রোং অহুমা খংবা ওমজবা [illegible] বাখল অমুক [illegible]

লানথাক [illegible] [illegible] তৎচুনা লৈমিটৌবা লবক অমচু নবীন [illegible] [illegible] রাইফ্ল লাকপা—[illegible] মং লাকইবরা ? অমদি কনানো ?

লবঙ—মনাই অসিচু মৈতৈ মচানি—করিগুম্বা মরম অমগী মণিপুর থাদোকুনা লৈপাক কৌরিকপা মতম কুইরে। কাহায় অসিদা মরুপ অতৈ লৈজরবদা মনাই ঐগী মরুপ হায়বচু অসিতনি। মখিং নবীন কৌই; মনাই অসিচু মরৈপাক খুংশিনবা সাধুগী পুকচেল ফেনবা নিপা অমনি।

রাইফ্ল লাকপা— নবীন। নংগী বা পুম্নমক লবঙনা ওয়া তমচুনা তারে। মীয়ামগী অসিগুম্বা ঐখোয়গী পাইদ হায়বচু নংনা ওইগদৌরি— নংনা ঐখোয়গী য়ানিংবা য়ানিংদবা খংদনা ঐনা হায়জরিবা অসিনি— নংনা ঐখোইগী সহায় উপায় হায়বা অমচু ওইবিদবা য়াদে; ঐ মহাকপু করি অমত্তা চিংনবা তৌদনা পুক্নিংগী অথুম্বা য়াথল পুম্নমক তাকে। তাওঃ কাছাড় অসিদমচু ঐখোইগী লৈমাক অমা উদবা য়াদে; অদুগা ঐনা মণিপুর সনা লৈবাক্তা চত্নুনা সত্যাগী য়াগ্নক ত্তাকরা অমসুং ঈশাগী ইকাইবা কায়দনবগীদমক থবাই থাক্নবা অসিনা ঐগী মরুওইবা ত্তনি। ঐ শোয়রোইদবনি—
"মন্ত্র অসি পাংনবা লাক্নবা নত্রগা হকচাং অসি মাংবা।"

নবীন— সনা পুক্নিংদা মীংবিরিবা পুম্নমক মনাই ঐহাক লোইখা খংজরে। ওসি অসিমক মনাই ঐগী থবাক হকচাং অপুগা সনা চরণদা কখোকচরবনি; মনাই ঐনা ওইশক্তি মথৈ তৌদুনা সনা পুক্নিংদা পাম্বিরিবা অদু থুনবা হোৎনজগনি। তাবিচু মনাও উবুংতোঃ মনাই ঐনা লাম্না লাম্দী খোম্বা ওমগজা হায়বা মীংজরি; হৌজিক বঙ্গদেশতা ওসমানখাঁ হায়বা পাঠান সর্দার অদু লাম্দী খোমচুনা লান হৌরকপগীদমক সম্রাট জাহাঙ্গিরগী লাম্দীনা মহাকপু অমসুং মাগী লাম্দীশিংবু হাৎনবগী মায়কৈ মন্ত্রিমক্তা কোয়তান তাররি। শিলেট অমসুং কাছাড় অসিগী চীংসুং মাসুং অপুগা অসি মহাকী লাম্দী ওাক্তা ওায়রবনি। মখোই পুম্নমক লাক্নুনা লৈরবা ওাক্তনি। মনাই ঐখোই অনি ওসিদগী যাত্রা তৌজরে— মখোই পুম্নমক খোমজিল্দুনা সনা চরন্দা খীন্দনা কৎনবা লাক্নজরগে ?

লবঙ— মনাই বন্ধুনা হায়রিবা পুম্নমক অসি মনাই ঐগি ওহোক্না পামজরে।

রাইফ্ল লাকপা— ঐখোইনা পাম্বমক্তি থোকত্রবসু, গতি অমদি উত্রবনিনা মাঙ্গা মতারে। মণিপুরগী গুণঃ মণিপুরগী সভ্যতা মণিপুরগী থৌনা উৎনীংবা পুম্নমক, অসি মচুনা মমেং তাবদি থোক্নবাই পাইব অতৈ উত্রে; চৎলো, মখোই অনিনা কৈ হায়বা, অদুনা ঐগীচু অকবনি।

[illegible]— অদুগা মনাই বন্ধুনা মণিপুরদা লৈরিঙৈদা ইন্দুরেখাগী ওেমগী মমন [illegible] [illegible] ঐনা [illegible] অপুম্বা মাচি [illegible] শিংনবা কোয়রি হায়রা [illegible]; অদুনা মনাই ঐনা নিপা অমুম ওইদুনা অসি মনাই ঐগী বন্ধুগীদমক ইন্দুরেখা পীংবিচু হায়দুনা হায়জরবনি।

অসি হায়রহনা [illegible] নবীননী পুজিংনী য়ারী অমু শায়া লীরে। অমু: [illegible] য়াইস্কুল লাকপনা নোংরহনা হায়রকই—"ওহোকপানি [illegible] খুজিংন হায়রা [illegible] ইন্দুরেখাবু [illegible] [illegible] হায়বা অমু ভজিলগী মারী অঙাওবা অমু [illegible]। অহগা [illegible] [illegible]। [illegible] ঐগী ইচা কুঞ্জলতা মনা পীগে, হায়নবীনকরা অমুপ য়াগা থৌরোক পুরম্ক অসি থোক্লবগিদো; ইচাবু নঙোন্না থাজনবা ঐনা অপাম্বা অপুঙবদি ওইবা য়ারোইদৌরে—মণিপুরদা অমুক ওইহনা —শগোল চামা—শামু চামা—চামা চামনা খুজিং ওইহনা হৌনবী কারদনা নিংথৌ মচানুপী ওইবগী বিবাহ তৌবা অমসুং কন্যাদান তৌবা ওমলবদি হুংঙাইগদবনি—মাহুদি থোকপা য়ায়েদো— মাহুদিমক্তংতু ঐ করিসু চিংনদে—অকনবগী বিবাহ কর্মদি অসিনা লেমখ্রি; ঐথোইগু বজ্রবাহনগী মামনি, অর্জুন মহাবীরনা সুভদ্রা লৌবগুম্বা পান্ডব উত্তরনা কন্যা বিবাহ তৌবনা ঐথোইগী লৈরকখি। ওসি অসিমক ঐ ঐগী ইচা কুঞ্জলতা সনাবু নঙোন্দা অহগা ইন্দুরেখাবু (মাসু ঐগী ইচা হায়বা অহুমকনিদো) নবীনদা কংলগে। ঐ অসি অমরোমদা লাইবক ফবা হায়বা অহুনি—মতিক চাবা পাত্রদা ইচাহুপী অনি কন্যাদান তৌজবা ফংগদৌরে। ঐনা হায়বা অসিদা অমুক য়াদবা তৌরগনু, ওসি অসিমক অকবা মুমিংনি—ঐ থীনবা পামজে—শুভস্য শীঘ্রম।

অসি হায়নহনা য়াইস্কুল লাকপনা নবীন অমসুং লবঙ্গ পুহনা য়ামপুরগী থাংপোকশং ভাম্না হুজিনখি অমসুং মনাই অতৈ পুম্নমক অহুদা য়ারম পুম্নমক অসি তমখি মুমিং অহুগী অহিং অহুদা য়াইস্কুল লাকপনা লোয়নরকপা মনাই পুম্নমক কৌথোকনা গন্ধর্বমত ওইনা লতাসনাবু লবঙ্গদা অমসুং ইন্দুরেখাবু নবীনদা দান তৌরে। অমুনা য়াইস্কুলে লাকপগী মনাই পুম্নমক অমু হয়াও কুম্মৈ তৌহনা চারথরকহনা অহিং অমু হুংঙাইনা লেনখি।

লতাসনাগী খোঙ্গুল লীবা

কাছাড়দা য়াইস্কুলে লাকপনা কাছাড় লৈপাক য়ৌনবা অমসুং মতুংদা মণিপুরদা লান থোক্লবা হোৎনখ্রি। অসোমদা কোহুংদা, সহরদা, লখাইদা, য়ুমথোং খুদিংদা, লমজাওদা, লৈমুং [illegible], কৈথেন কাবা কুমদা অতৈ বা অমা ভাংনবা লৈখিদ্রে—শানোংবগী হি কায়বগী হিগা[illegible]। য়াইস্কুলে লাকপগী পুকচেল কনবগী বা লতাসনাগী বা অসিগুম্বা লৈমুং [illegible]। কৈথেল কাবা [illegible] বারী [illegible]। মনাও [illegible] [illegible] [illegible] তৌরি ? —[illegible] অমা [illegible] থাদা অমা [illegible] অমতা পোকপী মতোমু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হৌনে— অহিং [illegible]। [illegible] [illegible]

চাংশেৎকপাদা অতৈ বগ্নি ঙাখল তৌবা লৈখিরে— নুংঙশী, বত্তবগী হেন্না কল্লবা পুক্নাইদা কল্লিক্কবা মুংশিনবগী অমিতঙবা খুপীবী ওইবা পুকচেলগী মমি ভাখিত্রিরনি ; অদুগু মচাগী মৈৎ হায়বা অমি ওখোকপনি— অখোৱবগী পুকচেল্লা মিকুপ খুদিংদা মচাগী অরাবা অসি লৈত্রিন্না থাবু কুপতিন্নবা হোৎনৈ তৌইগুমদুং লৈতিন্না পাইখোকখিবগুমনা অহাংবা খুদিংদা লৌহৈল্লা বানখতা ওইরি। খুইরাকপদি মতা শিখিবমকনু নত্তে, পোকমিন্নবা মনাও অমগা লোয়নরে, হায়বদু অংবুবনি, অশোয় অঙাম লৈতনা কাহার মৌখ্রে হায়বদু তাররনি ; মথুক্কিংনা হানা অপায়, মুংশি অমা থুংগে হায়বগী মমা মপা থাদোকুনা চৎপা ঙমগ্রবনি হায়বদু উররনি ; অদুমক্তুনা মমা মপা হায়বা অসি কয়াদা বাথ্রবা ; অতৈ নত্তে, খুইরাকপা অথোবা হায়না কাওরবা নিংথৌগী মনাও ইবুংঙো খুইরাকপামক্তা অদুম্না বাদ্মিবনি। অতৈগী মরমদি অদুক থন্দুনা য়েংউ— শিন্নবা মচাগীনমক মমা মপা ওইন্নিবা অদুনা কয়া বাদ্মিগবা? মচাগী মৈচাক হায়বা অসিদি মুৎপা হৈদ্রবা মৈন্নিনি, কাউনবা হোৎনবনা নীংশিংনবা ওই। অদুম্না মনাও ইবুংঙো খুইরাকপদু মচাগী মৈন্না চাক্কুনা লৈরি।

নোংমা অহিং চাংলৌদি থেংজিল্লক্রে। অদুবু মিন্দুংগী লৌমা থোরকপা থাবুমগী মেলেবা থাবলগী মিহৌবনা অয়াম্বনা তুম্নত্রি। মথোক মকারকপা পাথং ভন্না অমা মঙা অমদু লখৌদা ঈশৈ লাউহুনা চৎপা তারি। চাকঙন চাবা য়ুমতৈরা অমা মঙা অমদি য়াতানরে, অদুগা থবক কনবী থরগী ইমুংদি লশিং তকপগী কপত্রেং থোঙ্গেনদু মতারি, হনুবী লৈবা ইমুং থরদদু মোইথাপ নাইবগী মথোল তারি ; শিনাইকম কাবা ইমুং কয়াদদু শিন্দাম্নবগী বারী শাবা লোইনত্রি, মতম অসিদা মনাও ইবুংঙো খুইরাকপনা হৈগী লৈগী বন মরক্তা ঙাইহাক পুলোই হজৎ হন্দা চৎলগা কন্নি থন্দুনা কোম্নুং ভন্না লেংশিনখ্রে।

মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনু চেপালমত্রি, শজাই মনুংদা তাংখন অমগী মথক্তা লেংশিন্দুনা ধনঞ্জয় পণ্ডিতকা অচেৎপা বা ঙাংনহুনা লৈরম্মি। মনাও ইবুংঙো লেংশিন্নকপদা শজাইশংবশিংনা খুদা খুদা ছোয়হুনা ইরাং লাংনরে। সনা মাং ওইরম্মা মনাও ইবুংঙোগী খুদা থারে, মনাও ইবুংঙো খুইরাকপনা থারম্নিবা খুদা অদু চিংখোক্তুনা খুকমলগা লৈবাক্তা খুকখুদক খুন্দুনা হজৎলকই, "মহারাজ, ননাই ঐদি অরোইবা যাত্রা তৌরক্লবনি। ননাই ঐহাক অমুক ঘুমদা হজিনগে নীংত্রে। ঙসিমক ননাই লতাসনাগী থোঙ্গুল লীবা চৎচম্নগে, নত্রবদি ননাই ঐহাক মচাগী লমন তোন্দুনা লৈবা ফাররে। অকংবা মকমদা ননাই ঐবু কন্যাদান কৎহনজবা হুপা হুপী অদুবু হাংপা নত্রগা ঐগী থরাই থাবা, অসি ননাই ঐহাক লেপচত্রে।"

"অশোয়— ইবুংঙো তপ্‌থখো। ইচাগিদমক বাবা অসি ঐহু মপুং কানা কংলি হায়বা থাজো ; খুজনতা খনা অসি ঐহাক্তা অংগোকপা নত্তে হায়না খনবা লৈতে হায়বা থাজো ; অদুমদি

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কমি পতি অমদি [illegible] [illegible]। [illegible]
[illegible] "[illegible]" [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] "[illegible]" হায়রে ; অমুক "[illegible]" [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] "[illegible]" [illegible] — [illegible] নিংথৌজা শত্রু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] '[illegible] [illegible]' [illegible] [illegible] অহুগা মহাকা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] নাইশা তৌরকদে 'হায়জিসি হায়রহুবা পণ্ডিতশা শত্রু অসি' [illegible] [illegible]। অহুগা
[illegible] [illegible] 'লৈরিক্তৈগী' কাছাড় লৈবাক্তা অমুক্তং লাশাসি 'হায়হুবা তাকমরকপা [illegible]
[illegible] [illegible] থোক'পহ রাদ্রি। অহুনা পত্রদা হায়রবনি। "শালোংবু আজক পীগদু। মহাক
[illegible] [illegible] তৌরবগী [illegible] চেনখ্রবনি। নত্রবদি মণিপুর নিংথৌজা [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] কাছাড় 'লৈপাক্তা' লাকপা মণিপুরগী লোষ [illegible], পুনা উত্তর পামজৈ।"
[illegible] ইনাওহু অপাম্বা বা কম্ভি হায়নীংবা তাকপীদু। শত্রু অসি হয়েংমক [illegible] লীংলে।
ইনাওগী পুক্লিংদি ইরাং লাংহুনা লৈবা অহুদা এনা হায়া তাকলমত্রবনি।

[illegible] — [illegible]। [illegible] [illegible] অসি [illegible] এনা [illegible]। মনাই এহাক
[illegible] [illegible] কমি [illegible] [illegible] [illegible]।

অকনবগা অকনবগা তিমরা

[illegible] হুংথিল পোবোপ্পা মতমদা সর্দার ওসমানথাগী সেনাপতি উজিরখন অহুগা মাগা
লোয়নবা সিপাই মচ্যানে অমুম [illegible], মতা [illegible] রাবণহুগী [illegible] [illegible] অমদা
চাক থোংহুনা হাগদবুগী থৌয়াং তৌরদ্রি। [illegible] [illegible] নবীনচন্দ্র, [illegible] [illegible] [illegible]
মখোইবু উরহুনা নবীনচন্দ্র [illegible] — [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]. [illegible] [illegible] [illegible]
অসি ব্রাভাল হায়বা, [illegible] অহুনি। মখোই [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]
[illegible]। এনা লয়্যাল হায়বা, [illegible], অহুনি — [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।
[illegible] [illegible] [illegible] চথুসি, ভগবান, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] হায়রে।

অমুম [illegible] [illegible] লবঙ্গ অমুরুং, নবীন, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] পাইক [illegible] — "এই যে, আবার আসছে ; [illegible] [illegible] [illegible]" [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]; "এজং [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]—[illegible] [illegible] কি [illegible] [illegible]?" অদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible] মখোইনা তৌরিবা [illegible] অহু [illegible] নবীনা [illegible] [illegible] বন্ধু মখোই [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]? [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হায়না [illegible] [illegible] [illegible] অমা [illegible] মকোক [illegible] [illegible] অদিনা "[illegible] [illegible] চক্রি— [illegible] অদি, [illegible] করি তৌরগা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অংবু হায় হাংকনি," [illegible] [illegible] করেঙ্গা বন্ধু। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible] [illegible] [illegible] উজিরখাগী [illegible] নবীন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] করিসু য়েংদনা মাগী মাগী মথৌ তৌহনা লৈরি। অসোমদা নবীন [illegible] [illegible] অনিসু অমুক [illegible] তৌদনা [illegible] মনাক য়ৌনবা [illegible] [illegible] চাংলিরক্লই। [illegible] মনাক য়ৌরবদা নবীনা (বাঙাল লোন্না) হায়রকই, "মহাশয়খোইবু করি দেশকী মী ওইরবনো ?"

উজিরখা— (থোংনাগী উর্দু লোন্না) ঐখোই লক্নৌদগীনি। [illegible] উত্তর কাছারদা লাক্লোনবা চংলুবদগী নখোইদা ডাকুশিংনা পোৎচে পুন্নমক মুলহোরক্লনা তৌরিবা অসিনি।

নবীন— (উর্দু লোন্না) খুংলাইগা লোয়নরিবা মহাশয়খোই মতাবু লুট তৌরিবা অসিমক অঙকপনি; ঐখোইদি তাত্রি অহুব কাছাড় অসিদসু খুংলিংবা ডাকু লৈবা তারে

উজিরখা— অদুগা মহাশয় অনিনা করি জাংনো?

নবীন— ঐখোইদিদি অথুপ্পা লৈত্তনা ত্যকচগে— ঐখোইদি মণিপুরী চায়বা অতনি। [illegible]—

উজিরখা— মণিপুরদি করি তৌরিরমলিবা?

নবীন— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ভাগিবু— মণিপুর মহারাজ খগেন্দ্রজিৎ হায়বা মতুঙ্গী মনাও অনি লৈ। ঐখোই অনি অসি নিংথৌগা মনাও অতোপ্পা য়াইফুরাকপা হায়বা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হাবরিবা অনি নিংথৌগা করিগুম্বা [illegible] [illegible] অমা তৌনবগী [illegible]; [illegible] [illegible] লৈরি। খুদোং চাগবদি অমত্তং [illegible] লাম্বী খরদবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

উজিরখা— [illegible] ঐখোইবু তাগ— খগেন্দ্র মহারাজগী মনাও য়াইফুরাকপা হায়বা অতুদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হায়না? মহাশয়খোইবু য়াইফুরাকপা অদুগী মনাইনি হায়রদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] তৌনা লৈরি ?

নবীন— [illegible] অদুগা [illegible] [illegible] [illegible] "[illegible]— মখং নখং হায়রকনি; [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অদুবু ঐনা মহাশয়বু উর্দুতনা পুকচেল [illegible] অমত্তং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুক্কী [illegible] অসিনি।

উজিরখাঁ— অং, ঐহুদু কারি অমতা চিংনবিগদু। ঐবু উমদদু কাবিরমিদনি। ঐখোই [illegible] অসি মুসলমাননি—ইসলাম ধর্ম চংপা জাৎনি। ঐনা আল্লাবু— খোদাবু শম্ভুনা হায়জনিবা অমিনি— ঐখোইগী মহাশয়খোইগী করিগুবা কনবা অমতা খোক্লোই।

নবীন— ভাবিদু— হৌজিক খাইক লাকপা অদু অসিদগী কয়া লাপ্পা আরক অমদা খাংথোক খন্দুন লোয়া নৈরি। অহুগা ঐখোইনা তাবা অমগা নৈ— বঙ্গদেশতা লাম হৌরকলগী মায়থোইদুনা সর্দার ওসমানখাঁগী লাঙ্গী অমসুং লুচিংবা য়াম্না শিলেট অমসুং কাছাড়গী নারক খুদিংদা লোকচনা নৈবু হায়না, তাম। ঐখোই অনি অসিনা থিরিবদি মখোই অহুবুনি। মহাশয়খোইবু উবদা মখোই অদু ওইরমগদ্রা হায়দুনা চংজরকপনি; মহাশয়খোইনা মদু নত্তে হায়না তাকপিরবনিনা ঐখোই চংজরগে (চৎকে তৌবা)।

উজিরখাঁ— ভাইহাক্তা ভাইবিখো। মখোই অদু কংলগা মহাশয়খোইগী করি কান্নগদবা নৈবগে?

নবীন— কান্নগদবদি মমাংদনা হায়জগেনা— নিংথৌগী মনাও প্রাইহুল লাকপনা মখোইদা অকিবা নৈতবগী য়াশকপীবা অমদুং মখোইবু মতেং পাংহন্দুনা মণিপুরদা লাম্হোকপা। লান্দা মায়পাক্লে —মাখোইবু মতিক চানা শেম্বা নঙ্গগা মায়োক্নবা লানফমদা থরাই থাদুনা লাইরৈপাক কংমিন্নবা— ঐখোইনা পামলিবদি অসিতনি।

নবীনগী য়া তাবদা শিংলবা সর্দার উজিরখাঁনা নবীন অমসুং লবঙ্গ অনিমকপু অমুক্তং চিংনা য়েংলগা খন্নকই, "ঐনা নিংলিবা অসি শোয়বা হৌনদে— মিপা অনি অসিনা ভাংলিবা অসিনা মীনম্বা হৌবদে। হৌজিক্তি অতৈদি থংদে— ঐখোই মতা অসিবুদি বাদশাহগী মীন শোয়দনা নমদুনা থিরকদবা মরৈরে। বাদশাহগী মীনা হাত্তুনা শিবদু শিবা, মণিপুরদা লান চৎপদা শিবদু শিবা। অসিদি মায়পাক্লবদি কাখৎপা। অমদু ঐনা তারে মণিপুর নিংথৌগী মনাও শম্নোংবা হায়বা অসিদি থাজেংবা লাইগুবমি, মহাকপু গুন্নিনবা নৈতে। তাত্ত মরুপশা। (মাপা লোয়নবা মরি অহুনা য়েংদুনা) মহাকপুদি করি হায়রগে ঐদি ঐগী অওইবা পরিচয় পীদুনা হৌজিকমক নৈতে নিংথৌগী মনাও অজিদা চংজগে অদুম্বা নিপামচানা নারক শিংলক্তা কোয়লোং লোংতুনা নৈবা হৌবদে। মদুগী মণিপুরদা ভাইরকি চমত্রে থরাই থাকসি। মণিপুর হায়বা মদু থাজেংবা সনা চৈনাকপক্তি হায়রম ঐখোইনা ভাবনি।" অসি পুম্নমক অসি, খল্লগা অমসুং হায়রগা উজিরখাঁনা নবীন য়েংদুনা হায়রকই— তাও মহাশয়, ঐহাক অসি অদুম পংবা, মী নত্তে— মহাশয়না হায়রম ঐখোইবু মবাব ওনযুরা মীনি হায়বা খংলে হায়রা অসি ঐহু নংল্লবনি। অদুগা মহাশয়না অমতা অহৌবা তৌরকপা পুম্নমক তমবীরে হায়বা অদুদু ঐ খইজে, [illegible] ঐখোইগী, [illegible] কৈ হৌজিক্তি ঐখোইগীদু অওইবা তাকদরগনি। ঐখোইদি [illegible]

অশোংবা হায়ত্রে, য়াবোগনু। ঐহাক নবাব ওসমানগী সর্দার উজিরখাঁ হায়বা অহুনি— ঐনা সিপাই লিশিং অয়াগী মথক্তা সর্দার ওইহনা লান চংবনি। হৌজিক্কি খোঞ্জাই: মেক্ষবাগী লৈরবনা লান্দা য়ায়থীরক্লেদো। অহুনা ফরে, ঐদুসু থাজরো, ঐনা থাং পায়হুনা য়াগক্লিবনি ওসিদগী নবুংগো য়াইফুল লাকপগী মী ওইরবনি।"

নবীন— থাজারে, থাজজরে, হৌজিক ঐখোইনা কনাবু কিরুগদগে? লাইনা শিনবা খুজিদবি— অর্কনবগা অকনবগা তিন্নবা।

অসি হায়হুনা নবীন অমসুং লবঙ্গনা উজিরখাঁনচিংবা পাঙল মঙা অহুবু য়াইফুল লাকপগী মকম তান্না পুশিনখ্রে অমসুং মরী মখোং পুন্নমক তমহুনা য়াইফুলাকপগা মরুপ শানখ্রে। উজিরখাঁগী পাঙৈনা য়াইফুলাকপনা থীন্দনা বাঙ্গাল অমসুং পাঙল লান্মী য়ান্না কংখি।

হৌজিক লবঙ্গ, নবীন, উজিরখাঁ পুন্নমক্না তান্নহুনা য়াইফুলাইপনা কাছার নিংথৌগী মকমদা লৈফম পীননবা অমসুং মণিপুরদা লান থোকপদা মতেং পাংননবগীদমক পত্র অমা ইহুনা থাখ্রে। পত্র অহুদা অসিমু হায়রি— কাছাড়গী নিংথৌনা করিগুপ্তা লৈফম পীবিরোই; চংজরকপা মীদা আশ্রয় দান তৌবিরোই নত্রগা উপায় লৈত্রবা মীদা সাহায্য তৌবিরোই হায়রবদি য়াইফুলাকপনা থবাই য়ায়া বানা অমসুং তৌনিংদনা মহারাজগী মথক্তা খুংলাই পাইবা তাই।

কাছাড় নিংথৌগী দরবার

কাছার নিংথৌনা সিংহাসনদা,— য়েং ওইদা পাত্র মন্ত্রী পুন্নমক তিল্লে। লৈবাকী অঙম অথৌ, অহে অশিং অমতা চীথবা লৈত্রে; ওসিগী দরবার অসিদা লৈবাকী অরুবা অমা থমগদৌরি— নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না লৈবাকী অপিন অপান, য়াইতোং থমদোংবা পুন্নমক লোইনা তিল্লে। ময়াম শুনা তিন্নবা উন্নহুনা নিংথৌনা হায়রকই। "পাত্রমন্ত্রী অঙম অথৌনচিংবা লৈপাক প্রজা অপুম্বা তাবিয়ু। থুাই পুন্নমক তাবিররিগনি হায়না নীংজে—হৌজিক মণিপুর লৈবাক্তা মহারাজ থগেন্দ্রজিৎনা শাহি, লৈবাক তাকপা হৈবা, কনবা থৌবদা ভারত্তা মশিং চংলে। হন্দকসু থাগিবু ঙমহুনা থাগেবা হায়বা থিংথোল কংলে। মহাকী পৃথিবী জয় তৌবা ওয়া মনাও অনি লৈ। মায়কৈ মায়দা তাগিবা লান্দা হনবা লৈত্রবা চৌংথৌগী অমং পুন্নমক মহাকী লোইনি অমসুং খুংলাইনি। থাগিদগী লাল্লা লোইরবা মতুং অসিদা হৌজিক করিগুপ্তা মরম অমমগী সিংঙাই তৌনহুনা মনাও অঙোম্বা য়াইফুল লাকপা হায়বা অহু ঐখোয়গী লৈবাক অশোমদা লেনথে হায়রি। অহুনা

হৌজিক মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা ঐঙোন্দা চিঠী অমা পীরক্নি। [illegible] মনাও [illegible] লাকপা কাছাড়দা চেনখ্রবনি; মহাকপু আশ্রয় পীকদে; মহাক রাজবিদ্রোহী ওইদুনা চেনখ্রবনি; মরক অদিনা মহাকপু আশ্রয় পীরকলিবা মী অসি মণিপুর নিংথৌগী [illegible] অহুনা কাছাড় নিংথৌনা মহাকপু চংকখম পীরমলবদি মণিপুরগী নিংথৌনা রাজা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চাবাই [illegible] [illegible] [illegible] হৈরক্নি। হৌজিক করম তৌগনি হায়বদে? লৈবাক তানদনা করিগুম্বা উত্তর অমা পীনিংদবুনা ঐনা ওসি খাইদবু কৌরক্লিবনি।

[illegible]—বা অসি রাজা লুবা রাজ্নি। কাছাড় লৈবাক অসি হৌজিক রাজা খুতম চেনবা [illegible] লৈরি; মথং মথং তোরম তোরনা শিনবগী হৌজিক লৈবাক অসি রাজা য়বা তপত্রি। অহুনা লৈবাক অমগা য়েংথিন্নবা রাজা মতম নত্তে। অমহিকন্না মহারাজ খগেন্দ্রজিৎ অসি অচৌবা নিংথৌ নত্তে, মতম অসিদা মহাকা য়েংথিনবদা ঐখোই অমাংবা নত্তনা তোংজবা অমতা থোকনি হায়বা নীংদে।

সেনাপতি—অহুনবু করম তৌগনি? খাঙোংবা য়াইফ-ল লাকপা হায়বা অসি হৌজিক কাছাড় লৈবাক য়োক্রবরা? মহাক্না করিগুম্বা কাছাড় মহারাজকী মখমদা চংজরদুনা আশ্রয় নিজরবদি নিংথৌনা মতোংদা আশ্রয়দান তৌবিরোইদ্রা? অফিবনা খুদুম চন্দুনা চংজরকপা মীবু হলহনখিবা, নীংবা কায়না থাদোকখিবা ঐতদি ওখোই, কাছাড় লৈবাক মুংকে মুংসনু। রাজধর্মদি তাক্কবা চুমদে।

মন্ত্রী—পুন্নমক অচুম্বনি। অহুনা মণিপুর মহারাজদি কাছাড় নিংথৌগী মরুপনি। মরুপকী য়েক্নবা অসু ঐখোইগীসু য়েক্নবনি। অহুনা ঐনা খনবদি—লিন্নবু শিনবা চৈগুম্বা তেক্লনবা অসিগুম্বা পাইবে অম্না তৌবা থোকই। অহুনা য়াইফ-ল লাকপা অহুনা লাকবদি মহাক্নীসু করিগুম্বা মাংনবা তৌবিনা কাছাড়গী মথংদাই হিংনবা অতোপ্পা মখমদা চংজনখিবা অহুগা মণিপুর নিংথৌগী মরুপ কায়নদবা। ঐনা পাম্জবদি অসিনি।

অহুম্মা হায়নরিঙৈ মতম অসিদা লবঙ্গ অমসুং নবীন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চংলকুনা নিংথৌদা পত্র অমতং কক্তবা রাগদা [illegible] [illegible]। নিংথৌগী [illegible] [illegible] [illegible] অমু কৎশিন্নে। নিংথৌনা পত্র অমু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। মন্ত্রীনা মাসু পারগা ওইহাক লু [illegible] [illegible] [illegible]। "হৌজিক [illegible] [illegible] অমসুং মহাকা [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কাছাড় [illegible] করা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]?

নবীন— মনাই ঐখোই অনিমক স্কুল লাকপা ইবুংঙোগী মনাইনি। মণিপুরগী হুদক থোংগল লাকচরিবনি। মনাও ইবুংঙোদি হৌজিক রামপুর খুন্দা লৈরি।

মন্ত্রী— স্কুল লাকপদি মনাই মশান কয়া ক্লায়া লোকচরকপগে ?

নবীন— মনাও ইবুংঙো রাইফেল লাকপগী মীশী অমাংখা লৈমা হৌনদে। মনাইবু লোয়রবা মপুনি, মাইনা থাবা মপুনি, সুংশিহৈবা, থৌজাল হৈবা অমসুং পীনহৈবা, তানা মী পুংরকপী তুংনকম শোইরবা মপুনি।

মন্ত্রী— সভা পুন্নমক তাবিয়ু— মণিপুরগী মহারাজ খগেন্দ্রজিৎকী মনাও অতোপা রাইফেল লাকপা হায়বা অহ কররিগুম্বা মরম অমদগী নিংথৌগা নিংঙাই তৌনদুনা ঐখোইগী লৈবাক্তা রামপুরদা লৈরি হায়রি। কাছাড়গী নিংথৌ হায়বা অসিদি চংজরকপা মীদা আশ্রয়— চাকুকম পীবা, পাবৈ লৈত্রবা মীগী সহায় ওইবা, অবাবদা তারবা মীবু কনবিবা অসিগীদমক মমিং চংলিবনিদো, হৌজিক রাইফেল লাকপা অসি— কাছাড় মহারাজগী আশ্রয় নিররি

(নবীন অমসুং লবকনা য়েংদুনা) খংলে ইবুংঙো অসি, কাছাড় নিংথৌনা করিগুম্বনসু চংজরকপা মীগী কননবা তৌরোইদবনি। ওসিদি হয়রো, ঐখোয় লৈমাকী করিগুম্বা অমতং থররি— মসিগী অণ্ডইবা জবাব— কাছাড় নিংথৌনা অমাইদখৈ তৌবা ওবগে হায়বা অহ হয়েং খংনসি। মনাও ইবুংঙো রাইফেল লাকপদসু অতুম্না লৈসংদু।

নবীন অমসুং লবকনা হুনগ্রবদা কাছাড় নিংথৌনা হায়রকই :— ওয়োকপা মতৌ হায়বা অহুনি— অমগী খনবা লোইত্রিঙৈদা অমসু অমুক হাপচিন্নক্লে। হুপক্তি লৈবাক অসি সুং অনিগী মরক্তা হা ওইগদৌরি। মন্ত্রী হৌজিক করম তৌবা ?

সেনাপতি— তাবিয়ু মন্ত্রী, শানোংবা হায়রিবা অসিসু অচম্বা মী নত্তে। মহাকপু হৌজিক লৈকন পীত্রবদি কাছাড় অসি অমুক লোয়রনা ইরাং থরা হৌরগনি। কাছাড়না শানোংবনুসু কিকম থোক্তে। খগেন্দ্রজিৎ মহারাজদগীসু করিসু কিকম লৈতে। অহুম্না শানোংবা হায়রিবা অসিনা চাক্তনা ঐখোয়গী ইকমদা আশ্রয় নিররে। মসিদা ঐখোইনা মতোম্দা আশ্রয় পীদনা তোকত্রা ?— ঐগদি মাসু পামজদে।

মন্ত্রী— সেনাপতিনা হায়বা অহুদা তারে। করিনা, হৌজিক শনোংবা হায়রিবা অসিসু অচম্বা নত্তে। কাছাড়সিদা— মাগা য়েরুকম্বদা— ইরাং থরা হৌবদি শোয়রগ্রবনি। অমহিকসুং মানসু ঐখোইদা থিজরবনিনা মাবু চংজকম পীদবসু রাজধর্ম্ম কাম্বা থোকই। মরম অসিনা হৌজিক্তি ঐসু সেনাপতিনা হায়রিবা অসিদা তোংলে। মাসিবু মহারাজনা অমসুং লৈবাক প্রজানা করি হায়রিবগে ?

মহারাজ— অং, ঐস্থ মহাক্না চুম্বমাক্নে হায়না থম্লে। মন্ত্রী। হৌজিক শানোংবা হায়রিবা অসিনা পাম্বলিবনা কানাইমখোম্লো— মহাক্না চুম্না কাছাড়না লৈজগে হায়বগী মখোয়গী কাছাড় নিংথৌনা মহাকপু লৈহনখিবা য়াই; অতুগা অহানগী হেনবা মতেংদি ফংকম থোক্লে— মরমদি মণিপুরগী নিংথৌ হায়বা অসিনা কাছাড় নিংথৌগী মরুপনি— শনোংবগী মতেং পাংনবগীদমক মরুপ কাম্বনবস্ত পাম্লম। অদুগা মহাক্না কাছাড় লৈবাক্কী অভিযিগী মতৌগুম্বা লৈবা মথৌ য়াই। অদুগী হেক্লোকনা কাছাড়গী কন্ননবা নত্ত্রগা কাছাড় নিংথৌগী কম্ফিগুম্বা মাংনবা তৌবা থোক্লবদি কাছাড় নিংথৌনা মহাকপু য়ুমদা চংবা লিনগুম নীংগনি; মাদু তৌরবদি মাদুগী মতিক ওকপা লমচৎ ফংগনি। অদুগা মহাক্না অসিদা আশ্রয় নিরবা মী অমনা তৌবা হৌনবা ব্যবহার কায়দনা চৎলরবদি— কাছাড় লৈবাক্কী প্রজা অমনা ফংলিবা সুযোগ সুবিধা পুম্নমক ফংগনি। 'কাছার নিংথৌনা প্রজা অকৈবু তৌবগুম্বা মচামক্কি হায়না নীংহিগনি; অসি হায়দুনা ওসিমক শনোংনা য়াইফ্‌ল লাকপদা মাসি থংহনখিবা থোকই।

নিংথৌগী য়াথং জাদুনা মন্ত্রীনা খিনবা তৌদনা মরোল পুম্নমক অমতা চিথদনা ইদুনা দূত অমগী মখুত্তা পীদুনা রামনগর য়ৌনম্বা থাক্লে। পত্র ফংলদুনা য়াইফ্‌ল লাকপা, লবঙ্গ, নবীন অমসুং উজিরগী পুম্নমক তিল্লদুনা তানরে। য়াইফ্‌ল লাকপনা কাছাড়দা হাম্বা হায়া পাঙ্গল চাং য়েংনীংই— তৌইগুম্বসু, লবঙ্গ-নবীন অমসুং উজিরগীনা হায়জমনমনা মখোয়দি মণিপুরদা লাম্বাবনা হানবা লেপ্লে, মাদু পাংবা যানবা কাছাড় নিংথৌনা পীবা সর্ত পুম্নমক য়াজরে হায়না পত্র হনবা লেপ্লে পত্র অদুদা অসিনু ইরে— শনোংবগী কাংবু অসিদি থীন্দনা অমুক্তং মণিপুরদা বাশকলকপা অমা পাংনন-বগীদমক থোকপা তারি। মাদুদা কাছাড়গী অমসুং কাছাড় নিংথৌগী করি অমতা মাংনা তৌরোই। মাদুদা কাছাড় নিংথৌনা য়ানিংদবা তৌবিগনু। অসিদা লোয়নরকপা মুপী অঙাং পুম্নমক্তা লোয়ননা কাছাড় নিংথৌগী প্রজা ওইনা লৈজরে।

কাছাড় নিংথৌনা মাদু য়ারকলবদা শনোংবা য়াইফ্‌ল লাকপগী কাংবু অদু মণিপুরদা থোক্লবা শেম-শাথরে।

মণিপুরদা লানগী শেম শাবা

মণিপুরদা লান থোরবা শেম-শাবা লোয়রবদা শনোংদা রাইকুল লাকপনা মহারাজ খগেন্দ্রদা অমুক চিঠি কললকই— "শ্রীযুক্ত রাজুং মহারাজগী সনা চরণদা ননাই তোঙবা শনোংবা ঐহাক্না মগীং নাইদনা খুরুমজহনা হন্‌লংচবদি ;— ননাই ঐহাক অমুক্তা সনা চরণদা ননাই হিক্‌হজবা নিবা থোকহনকলে। মখাংদা ননাই ঐহাকনা লানবা অপুম্বা সনা চরণনা ঙাকপিয়ু ; হন্দক্তি সনা চরণনা কৃপা তৌবিহনা ননাইনা নীংজবা অমসুং বাশকচবা খুংহনবিগনি হায়না আশা তৌজে।" লবঙ্গনা পত্র পুহনা মাংজোননা মণিপুররোমদা যাত্রা তৌরক্লে। রাইকুল লাকপনা লবঙ্গবু য়ায়া খামহনা হায়রখি— "লবঙ্গ! নংগা নবীনগা অসিদা মুপী অঙাং পুম্নমক শংহনা লৈহৌ৹ হন্দক ঐনা চংলিবসি অমুক হল্লক্লবা চংপা লান নত্তে ; মণিপুরদা ঐগী থরাই অসি কখোরবা চংপনি ; সত্যগী বাশক ঙাকুনা ইমা মৈতৈ লৈমদা থরাই মঙা অসি কংলুবা ঙমলবদি— ঐগী মুংঙাউবা ওইগদৌরি ; ঐখোইনা হল্লকত্রবদা ময়াম অসিনা তৌগদবা অহু খন্দুনা য়েংউ" অসিনচিংবা অয়াম্বা অকিবা৹ মুংশিবা অমসুং অবাবা উত্তন্না রাইকুল লাকপনা লবঙ্গবু থাম্নি ; তৌইঙমসুং রাইকুল লাকপনা ঙাংবা পুম্নমক মরু লুকথহনা তারগা লবঙ্গনা মখোয়া খুমখি—

"ননাই ঐহাকসু সনায়াখং তাকপিবা পুম্নমক মণিপুরদা লৈরিঙৈজগীনা থজরবনি ; তৌইঙমসুং ঐবু লোইরিবা ঈশ্বর অসিনা য়াদবনা মাহু ঙমজত্রে ; নত্রবদি করিগী মণিপুর থাদোক্কুনা লাকদগে? ধর্মগী লম্বী থত্রবদি করিগী মণিপুরদা নিংথৌনা চানবা অচৌবা খুঙম কয়া পুম্নমক থাদোক্কুনা লাকপা ঙমফম থোকপগে৹ হন্দক ননাইনা মাংজোননা চত্তন্না মণিপুর মহারাজদা পত্র কংলুগনি" অসি হায়রহন। লবঙ্গনা পত্র পুহনা হায়া থোংশানদোকপা অমসুং নবীমা কাহাত্তুনা লৈহনা নাকল অনিগী খুদোং চানবা শীনবা তাখি। অসুম্মা পত্র পুহনা লবঙ্গনা মণিপুরদা থুংলরে অমসুং মহারাজ খগেন্দ্রদা পত্র কংলে। মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা পত্র পারগা লবঙ্গবু য়েংলহনা হায়রকই। "ওথোকপনিদা লবঙ্গ৹ নংগী নবুংঙো অসিগী পুকচেল অসি ওথোক্লা কনখ্রেদা ; হৌজিক নবুংঙোনা করম তৌহৌরি ; করম তৌনা অসিদা লাকদৌরিবনো ঐদি হিক্‌হজবা পীবদি ঙম্মোইদৌরি। ঐগীসু মতাঙদো লবঙ নবুংঙোনা তৌবা ঙম্মিবা অসে মশাবা হেক পোকফিরবগী মতামক মানা হহনা পুম্বিবনিদো ; নবুংঙো থাইরাকপগী অশাঙবা কয়া চেংথম লৈবগে ; অহুগা মানা হন্দক থোকলক্লিবা অসিদা কুঞ্জলতা সনাই লোইনরক্লরা?

[illegible] তাখিয়ু মহারাজ৹ ননাই ঐহাক বারোন পুম্নমক [illegible] ঙমজগে। মনাও ইবুংঙো [illegible] অসি অসিবা অহাববা লান চংবা [illegible] লৈমলিংথৌগী মাংলগা তৌগে হায়রা [illegible] অবক্তা লৈখিজে ; ক্ষত্রিয় মচা ওইবগী লজ্জাগী [illegible] [illegible] লান চংবা তাখিরনি।

অহুগা মজা ইবেম্মা কুঞ্জলতাসনাসু নীংবা অমা থুংনবগী মশানা নীংবা মনাও ইবুংঙোগী তুং ইল্লকপনি। মহারাজ ইবুংঙোনা থংবিরিবা অহু মঙাই— হায়দোকপ্রবদা থবাই থাবা নত্তনা হনবা মীদি নত্তেদো ; অহুনা কাহাক্ত য়োরবদা মী খোমহুনা অমুক সনা চরণদা ননাই হিরুহল্লবা নিগনি হায়হুনা খোরকহৌরে। হৌজিক সনা য়াথং অমতং তাজরগা ননাই ঐহাক হল্লরগে।

খগেন্দ্রজিৎ— লবঙ্গ! হৌজিক ঐগী করি হায়ফম লৈবগে? মানা নীংবা তৌসহু। ইনাওনি হায়হুনা ঐনা মাগী মরমগীদমক রাজধর্ম্ম থুগাইবা ঙম্মোই। তৌইগুম্বসুং ঐদি হৌজিক ফাত্তবা মাবু মহুংশিরি - য়াদি শিরবমক্তদা মরূনা যুবা হায়বা মীত্য অহুনিদো। নং চৎলো পুম্নমক তম্মু'রো।

লবঙ্গ হনগ্রবদা মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা পাত্রমন্ত্রী পুম্নমক কৌথহ্‌না রা তাম্নরে অমসুং লানগীদমক শেম-শাখরে। মহারাজনা অঙম অথৌ পুম্নমক্তা হায়দোকই— "হন্দক শনোংবনা লাকইবা অসি মী কয়া য়ামলগনি হায়বা নীংদে ; অহুনা তৌবুলদা ঐখোইগী তেঙ্গোন শাহুনা ঙাইয়ু— নাক-য়েৎ-ওইদা লাঞ্জাবা মী হাপ্ত্‌না মাগী পোইরৈ য়েংউ ; য়ারবদি মহাকপু হাংকত্ত অশাংবা খোং তৌরগা লাম্মী অপুম্বা লোত্ত্‌না লৈয়ু ; তৌ অশংবা পুল্লগা মী শাহুনা থুংনা যুংহুনা অমসুং চাইহুনা থম্মু। মহাক্তী লাম্মীনা খরা হেক নকশিল্লকপদা মৈ থাও ; মাগী নোংমৈ য়াম্না য়াওরম্মোই! তৌ অশংবা পোকথাইসহু— য়ারগা চেনজখিসহু। মহুদা নখোইনা পোত্থি তৌহুনা মাগী লাম্মী পুম্নমক কোয়হুনা ফানবা খুজিল তৌ। ঐদি মাবু হাংপা পামদে। মানা বুদ্ধি তারকপা পাম্মি।

তৌবুলগী লানফম

হন্দক্তী লবঙ্গলতা হায়রিবা অসিবু বারী অসিহু ইবেনবোক্তী বারীগী জাৎনি। থায়নগী ইবেনবোক্তী বারীগী জাৎ অসিদসু অরুবা ঐতিহাসিক তত্ত্ব য়াম্না লোৎতুনা লৈবা উই ; তৌইগুম্বসুং ইবেনবোকশিংনা মগুগী চাক ঙাইবদা খুদোং চানবা হায়হুনা অস্থপক্তী মতিক শেমদোক্লে—মহুদা ঐতিহাসিক তত্ত্ব লৈ হায়বা অসি অয়াম্বনা থাজবা ঙমদ্রে ; হন্দক্তী লবঙ্গ অমসুং কুঞ্জলতাসনাগী বারী অসিহু ফনা ঐতিহাসিক তত্ত্ব য়াওহনসু করি করিগুম্বা মতাংদা "কবুই কৈরোইবা" "তপ্পাবেরে" নম্রগা "পেবেৎ" কী ফিভম তাবসু য়াম্না য়াওবা তাগ্ররিগনি হায়না নীংই। তৌইগুম্বসুং মাসিদা মাহু ওনথোক্তুনা মতমগী মতিক চানবা শেমদোক্লবা হোৎনবা তৌঞ্রিদ্রে—মরমদি অসুম্না

হাপতোক হাপচিন তৌবা অসি লবঙ্গ অমসুং লতা সনাগী মরাইবক্তা তম্বা নত্তে; ভারতকী ফাওরবা মহাভারত অমসুং রামায়ণ ফাওবা মাসিগী লাংদা থুরিবনি হায়রূনা হৌজিক অয়াম্বনা হায়নরিবা অসিনি। মরম অদুনা পাঠকশিংনা খোঞ্জানবিদুনা ঐখোইগী লবঙ্গ অমসুং কুঞ্জলতাসনা হায়রিবা নায়ক নায়িকা অনি অমসুং মখোই অনিগী মরীদগী থোক্লিবা থৌদোক পুন্নমক পরমহংসগী মিৎয়েংনা য়েংবিদুনা হায়না খুরুমজবি অমসুং লাউজরি।

ইবেমবোক থরনা লীরি— তৌবুল হায়বিবা মফম অসিদা মহারাজ খগেন্দ্রজিৎকী লাম্মীশিংনা নিংথৌগী যাথং মতুংইন্না তৌ পুন্দুনা লানবন শাখি। অদুগা ঙাইখোংদা খোং তৌদুনা য়াইস্কুল লাকপগী তেঙ্গোন ঙাইখি। থাজবা থবনা থাজসনু— থাজদবশিংনা মফম অসিরাইদা— মহারাজ খগেন্দ্রজিৎকী লাম্মীগা যাইস্কুল লাকপগী লাম্মীগা অবনবা লান শোক্লখি হায়না থনসনু।

অযুক অঙনবদনি। অমম্বসু তশেং তশেংনা কোক্লি, অদুগা কোক্লবসু কোরৌহনবগী দোলাই শেমশাবা লোইদুনা তোংখৎকদবগী খৌবাং তৌবমাল্লে হায়না নীংই। পোম্বী চেক্লাশিংগী মবক্তসু কাকপ্পা মরম ওকপা তবা অমা মঙা অমদি যাহৌখে। অদুগা অতনবা থরগীদি মকোন্দা তীংলি যাংলীবগী খোঞ্জেনগা মতাবি। অদুগা কোরৌহনবগী নশেকী মমি উবদা অয়াম্বা অযুকী লৈরাং পুন্নমক লৈকা ফন্দোকপা হৌরক্লে, লৈবাংনা লৈকা হেক ফন্দোকপদা থীনখ্রে হায়বগুম অযুকী নামিবা মলযা নুংশিৎনা তপ্না তপ্না শীত্তনা লৈরাং লৈমন য়েনবা হৌবক্লে। লৈনম হেক ফংবদা খোইমুশিংনা নংহৌবরোই হায়না যান্না থুনা য়াংনা লৈরাং শীনবা থুংনা পাইদুনা লৈছি চুপ্পা হৌরক্লে। অসুন্না নোংদি ঙাল্লবা দুমিক্তি চাননা থোকত্রিঙৈগী মতম অসিদা য়াইস্কুল লাকপগী মযাং অমসুং পাঙনগী লাম্মীশিং অদু লাইমতোন চীংমাইদা কুমথরকপা উরে। লাম্মী পুন্নমক ঙন্না হৈনীংনা উই— অযুকী নামিবা নুংশিৎনা যৈবদা লম্বী চৎলকপগী অরাবা পুন্নমক কোকখ্রে। অনৌবা লৈপাক্কী অনৌবা শবফম উনবগীদমক লাম্মী পুন্নমক হৈনিংনা চীংথা তম্না চেম্বরক্লি। য়াইস্কুল লাকপসু মাতৃভূমি উবদা থুক থুদক কুন্না খুবমদুনা চীংথা তম্না কুমথরক্লে, মাংদা কুইনা থাদোকলুববা পোক্লফম লমদম মণিপুর সনা লৈপাক্কী নিংথিবা শকতম উবদা মিৎলুদা প্রেমগী ধারা শিন্থবা থংহৌদে— মাংদা শংবাম্নবা সনা লৈপাক— মরক্তা ইম্ফাল তুরেল্না কোযেৎ-ফিজ্জাং তাবগুম চেল্লবা, অচৌবা লোক্তাক্না মাংদা নিংথিজরিবা, মযায়দা থাঙ্গগী ঈথৎনা লৈতেং পুন্নমক উদুনা পুক্লিংদা নৌহৌনা নুংশিবা পোক্লি। অসুন্না লুচিংবা পুন্নমক্কা লোয়ননা য়াইস্কুল লাকপনা বিষ্ণুপুর থুংখরে।

বিষ্ণুপুরদগী থরা চংশিল্লক্লগা হৌজিকী তৌবুলগী লম্পাক্তা অমুক মহারাজ খগেন্দ্রজিৎকী তেঙ্গোনগা মনাও ইবুংঙো য়াইস্কুল লাকপগী—শানোংবগী তেঙ্গোনগা মাইয়োক্লবা তারে। অকনবা লানফম্নি— হৃদিক্তি শনোংবদি থবক পাংবা নত্রগা থরাই থাবা লাক্লিবনি! বারী লীবা ওঝাশিংগী

মত লৌত্নুা ইরবদি লানফম অসি অঙকপা অমা ওইরমগদবনি। ঐখোইনা মাহুস্থ তোক্লুনা ইতিহাসকী মত লৌত্নুা শন্না হায়জরগে— মফম অসিদা তেঙ্গোন অনি অসি মথন্নাই খুবাক্তা হাপত্নুা অকনবা লাম থেংনখি। অহুমনদি ওইরগা ঐখোইনা ইবেনবোকী মুখদগী খোরকপা (অচুম্বসু থংদে, চুমদবসু থংদে) ব্না অহু মখৈদি চীথবা যাদে হায়না থজত্নুা ইনবা হোৎনজরি। য়াইস্কুল লাকপগী লাম্মী পুন্নমক চংশিল্লক্লে, থাগেম্বগী লাম্মীশিংনা নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না লানবন মৈ থারে—নাক য়েং—ওই হাইদোক্লুনা শানোংবগী লাম্মী কোয়শিনথরে। তৌইগুম্বসুং মাত্নুদি য়াবা লানকমলা? শিবা কিদনা লাক্লবা শানোংবনি; মাগী লাম্মী চংফম লৈত্রবশিং অহুস্থ শিবা অমা নত্রগা অচৌবা খুভম ফংবা অমা—অসি নত্তুনা অতৈ থন্ত্রবা ঙাক্তনি। অমুক অকনবা লান থেংনরে। নিংথৌগী লাম্মী পুন্নমক শমজি খাইত্নুা চেল্লে। পাউ অসি সনাকোঙ্গ য়োৗরবদা মহারাজ থগেন্দ্রজিৎনা অরাযবা লান নত্রে, তৌ মৈ থাবনা যাবোই হাযবা থংলত্নুা মনাও ইবুংঙো খ্বাইরাকপগা লোয়ননা তেঙ্গোন অচৌবা অমা অমুক থারক্লে। খৌন্দনা নিংথৌগী মনাও অনী মায়োক্লরে; তৌইগুম্বসুং হন্দক্তি শানোংববু কনানা পাগনি? মীনা পাংদবা অসি শিবা কিবনা পাংদবনি! শিবা কিবনা লান্দা চেনবনি, শিগনি হায়ববু কিত্রবা মীগী মমাংদা কনানা থাংবা ঙমগনি। মনাও ইবুংঙো খ্বাইরাকপগী লান্দা মরাই চায়রকপা তাবদা মহাবাদ থগেন্দ্রনা লৈপাক্কী অকন অথৌ অপুম্বগা লোয়ননা লানফম তান্না চংশিল্লক্লে। লাইনা থাদা নিংথৌনি, লাম্বোং শীনবদা মপা লৈত্রবা লুচিংবনি; নিংথৌনা যৌরকলবদা মৈতৈ পুন্নমক অনৌবা থবাই ফংবগুম কনখৎতুনা পাঙন লাম্মীশিংগী মথক্তা লান্দারে। তেল অমসুং নোংমৈগী লান য়াবা নত্রে হৌজিক্তি থাংগা থাংগা, তাগা তাগা। হন্দকী লানহৌ অসিদা উজিরখাঁ তুথি।

উজিরখাঁ তুবদা পাঙনশিং থজিক্তং নিংহন্নবা উবদা লবঙ্গনা নোংশাগী লাল্লাউ লাউত্নুা ময়াং লাম্মী অতৈগা ফুজিল্লক্লে। মাসি লানফম অসিগী অথেংবৗনি। হান্না মগুণ খংপ্রবা অথৌবগা পাবা য়ানবা শীন্দুনা নিংথৌনা অকনবা লুচিংবা থাজিল্লক্লে। হন্দক্তি মী শিবগী শীংথাফম থংদে। তেঙ্গোল অনিমক্কী লুচিংবা অয়াম্বা লানফম অসিদা লোইনা তুথরে। তৌইগুম্বসুং পুন্নমক তুসনু— ঐখোইগী থোইনা অন্নাবা লৈতে; মরমদি লান্দা চংলবদি শিবা নত্রগা মায়পাকপা অনি অসিগী মরক্তা অমদি থোকপা য়াত্নুা লৈরবনি। নত্তুনা চেলহন্দুনা মৈতৈ অমসুং মুসলমানগী অথৌবশিংগী গুণ ময়েং তাহনবা অসিদি ঐখোইনা কল্লনা তৌবা ঙম্মোই। মসিদা ঐখোইনা মীচং মীথায় নাইদবা ঙমদবা অমা লৈরে; ঐখোইনা ব্নানা থাজত্নুা লুনা য়োকথৎচরক্লবা লৈরাং পাম্বী অমা হন্দকী লানফম অসিদা মতম চাদনা তিন্না মরু চীকথৎতুনা তুবা তারে, ফরে মাহুস্থ তুথ্রসনু— ঐখোইননা অমুক হেন্না ব্নারিবদি লৈরাং পাম্বী অসিনা তুথ্রবদা মাঙোন্দা য়েংলম্বা উরীগী লৈরাং অসিগী করি থোক্লগবা? য়েক্লবগী মুংশিং কয়া য়েংথৌবগী মৈশা কয়াদগী নিংথৌগী মনাও ইবুংঙো য়াইস্কুল লাকপগা লোয়ননা ঐখোইনা লৈরাং পাম্বী অসিবু ঙাক্লবা হোৎনজরক্লবনি,

ওম্বোকপনি। নোংদমথীবা বিধিনা লৈয়াংগী পুন্সি তেম্না তম্বিরমহুনা মতম চাদনা করম্বা নুংশি হৈতবা তীল অমবু কনাবুস্থ উহল্দ-থংহল্দনা থারকলবনো। কৈ, হে নুংশিরবা লৈরাং। ঙসি নংগা ঐখোইগা থাইনরসি, ঐখোইস্ত নংদোনা নোংমা শোয়দনা মাংলগদবনি— তৌইগুম্বম্থং ঐখোইগীদমক্তি ঐখোই রাজগে, নংগীদমক্তি অমুক রাররোই, তেংবানবদা হৌরগা নিংথিজবা লবঙ্গ মপান খুজোক থম্না পায়হুনা মপুগী খুদাদা কচ্চবা ফংহৌরে— মপুগী নির্ম্মাল্য কোক্তা কৎতুনা, নাদা থেৎকহ্না, ওক্তা শিহুনা, খুৎনা পায়হুনা, লৈরাং লৈনম নমহুনা পেঙ্লোরে। লৈরাং পাম্বীদি তুরে— তুসনু নংগী তৌগদবা নথৌ, কর্ত্তব্য লোইরে, তেংবানবদা হৌথরুবগী কান্নফম করি লৈরি। লানগী অসিগুম্বা অকনবা কর্ত্তব্যগী ফম্বাক অসি নংগী লীলা উৎপা লোইরে, অরোইবা যুথল থাদরসনু— 'বিদায়'।

অম্নুনা লবঙ্গনা তুপ্রবদা শনোংবা যাইস্কুল লাকপা অরাবা, নুংশিবা, শাউনীংবনা খুহুম চন্দ্রনা লানফমদা মযাই কাবা নোংশাগুম যুজিল্লক্রে। নিংথৌ খগেন্দ্রজিৎ অরোইবী লানফম্নি হাযবা খংহুনা মৈতৈ অকনবা পুন্নমক থৌজিল্লক্রে। অরাইবা শনোংবা নত্তে। মীচং য়েরুবা খংদনা পুং অমা যান্নবে, কাপ্পবে, যুনরে, থিম্নরে। মীগী ঈনা লানফম অপুম্বা পুমঙাং ঙাংলে। অশোকপা, অংতুবা মীগী খোঞ্জেন্না লানফম অপুম্বা পুমনীল নীল্লে। তৌইগুম্বম্থং লানফম অসিদা ঐখোইনা মমাংঙৈগী লানফমদা নীংবা কাযবগুম্না মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা মনাও অতোপ্পবু চংনা ফাগনি থল্লম্বা অহুদি কায়বা তারে। শনোংবা যাইস্কুল লাকপস্থ লানফম অসিদা তুরে। মপুনা হেক তুরবদা শনোংবগী লাম্নী পুন্নমক শমজি থাইহুনা চেন্নবা হৌরে। খগেন্দ্র মহারাজনা শীন্দুনা মায়কৈ মরি বোয়হুনা শনোংবগী তেঙ্গোন অপুম্বা ফাপ্রে।

লতাসনাগী নুংঙাইবা পুন্সি মতেক

অসোমদা অম্নুনা মথং মথং উজিরথী, লবঙ্গ অমম্থং শনোংবা য়াইস্কুল লাকপা তুরে; মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা জয় ওইরে। লাইরিক পাবিরিবা ইবুংঙো ইবেম্মশিং হৌজিক্তি মণিপুর অসিদা লৈহুনদি কান্নদ্রে— ঐখোইনা থাজবা লৈরাং পুন্নমক মতমগী তমথীরবা পোইরৈ— থাম্বা য়াত্রবা বিধিগী য়াথংদগী মতম চাদনা বাকচীং থা চংলকপা মতুং ইন্না মথং মথং খুইথরে। হৌজিক্তি লেংঙসি—ময়াং লৈবাক্তা লৈহৌবা নৌরবী উরীগী লৈরাং অহু করম তৌরিবগে অমুক্তং য়েংঙসি; মানা য়েংচরম্বা লৈরাং লবঙ্গ পাম্বীস্থ মণিপুর সনা লৈবাক্তা থাসি হোৎনবদা লৈপাক ফাওবদা থারুহুনা কংপ্রে। ময়াং লৈপাক্তা লৈরাং উরীগী লৈ অহু য়েংফম লৈতবনা মালেমথক্তা তুহুনা

লৈহৌই। য়ারবদি থুনা লেংঙো—য়েৎকম অনৌবা অমা পিন্নুনা হিংহনবা ঙমজবা য়েংঙ্সি। মুঙ্গারৈগা পক্লবদি লবঙ্গ পাম্বীনি। অদুবু কুংগ্রবনিনা অনৌবা পাম্বী অমা থাহ্নুনা য়েৎহনবা য়াত্রা য়েংসি।

য়াইস্কুল লাকপনা মণিপুরদা লান হেক থোকখিবদগী অসোমদা কাছাড়দা নবীন্না মুংশিরবা রাম সীতাগী বারী লীহ্নুনা মুপী অঙাং ময়াম অদুগী পুক্নিং পেলহল্লম্মি। অয়ুক্কী চাক্লেন চাবা লোইঙমদনা মুপী ময়াম অদুনা নবীনবু কোয়হ্নুনা ফম্মি, মুমিদাংগীসু অদু মঙাই। কুঞ্জলতাসনানা নিংথিবা হৈ লৈনচিংবা শেম শাহ্নুনা শ্রীরামায়ন্দা কৎনবা নিতিগী থৌরাং তৌই। নবীন্না রামায়ণ লীবা হেক হৌবগা মুপীশিং অদু ভক্তিগা লোয়ননা খুরুখুদক কুন্দুনা রামায়ণ শ্রবণ তৌই। লাইরিক পাবিরিবশিংনা থংবিবা য়াই, মতম অসি রামান্দী ধর্ম্ম প্রাচারকশিংনা শ্রীরামগী গুণ শকপনা অরাং ভারত অপুম্বা অসি ভক্তিগী হায়বদি ধর্ম্মগী লুরবা ঈচেন্না থুমহৎলিবা কাল্নি। নবীন্না লৈবাক কোয়বদা ধর্ম্ম শন্দোকপশিংগা থেংনহ্নুনা অহানবা রামান্দী ধর্ম্মদা দীক্ষা তৌরক্লবনি। অসিদসু নবীন্না শ্রীরামগী গুণ শকপদগী কুঞ্জলতা সনানচিংবা মুপী পুম্নমক অসিসু শ্রীরামদা শ্রদ্ধা লৈরে। হন্দক লবঙ্গনচিংবা অকন অথৌ পুম্নমক্না তৌবুলগী লানফমদা তুররিবা মতাং অসিদা নবীন্না রামায়ণ লীবসু শ্রীরামনা অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌবগী মতাং য়োরে। লব কুশ অনিনা বীনা পায়হ্নুনা শ্রীরামগী গুণ শক্লি। অঙাং অনিগী শংবানবা মুক্তি উবদা তিল্লিবা সভানা য়েংবগী পেনবা নাইদব্রি—বীনাগী ঝঙ্কারগা লোয়ননা শন্দোরকপা শ্রীরামগী গুণ তাবদা পুম্নমক্কী পুক্নিং শুম্মৎনরি। বসন্ত ঋতু লাকপদা থোন্নৌবা কোকিল নহাশিংনা কুহু কুহু হায়না পঞ্চম স্বরনা থোংবগুম তানা তানা তানীংলি। তেংবানববু শুম্মৎনবা ওইরবা শ্রীরামনা জগৎমাতা সীতাবু লোকশিক্ষাগীদমক লৌশিল্লু হায়বা মতাং য়োরক্লে; তিল্লিবা সভা পুম্নমক প্রেমগী ধারানা চোৎখি; অসিদসু তারমলিবা মুপী অঙাং পুম্নমক অদু মিৎলু নাপোম থুম্না তরংগী লাইজ শিন্দরি। লৈবাক লৈমনা মহাক্কী জগৎ অপুম্বগী ফিদম লৌনফম ওইবী সীতাবু তেংবানবগী লীলাগী ফমবাকতা সতীত্বগী লীলা উৎপা লোইরে হায়হ্নুনা লৌশিনখ্রে। মতম অদুগী সভাদা রাখিবগুম সভা অসিদসু তেংথাবগী অরাবা খোঙ্গেন তারে। জানকীগী অরাবনা থল্লবা জীবনী তারগা লতাসনা। নহাকসু জগৎ মতাগী থুয়াদা প্রেমগী উপহার কৎচো। নহাকসু তেংবানবা অসিদা অরাবনা চাক্নুনা কপ্নুনা শিনবা পোকপনি। অসুম্না রামনগরদা লৈহৌবশিং অদো নবীনগী বারী মচান্দগী শ্রীরাম সীতাগী গুণ তাহ্নুনা মুংঙাইনা লেল্লি। তৌইগুম্বসুং বিধিগী নোংদম হায়বা অসি কনানা খংগনি? অসুম্বা মুংঙাইবা অসি থৌন্দনা খাইনবগী অরাবা মৈরীনা চাকথেক্লুনা উৎ ওইগদৌরি। হে কুঞ্জলতা! নংগী পুন্সিগী মুংঙাইবা হায়ববু মতাং অসিদনি। অসিদগীদি অমম্বা থম্মোই অরাবা পুক্নিং, মুংঙাইতবা থরাই, পিনা চোৎলবা মিৎসনা অদুগা লোয়ননা ঐথোইগা কায়নবা তারে।

কুঞ্জলতাসনাগী খোঙ্গুল লীবা

অমসুং ময়াং ওম্বা

তৌবুলগী লান লোইরবদা মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা মনাও ইবুংঙো খ্বাইরাকপনচিংবা লৈবাক্কী অঙম অথৌ পুন্নমক্কা তানফুনা ময়াংদা লান চংবা তারম্মি। মনাও ইবুংঙো খ্বাইরাকপা অথৌবনা চিংথুনা মৈতৈ তেঙ্গোন অমা ময়াং লৈবাক তম্না খোংশান্দোকলক্লে। ময়াং লৈবাক্কা কুঞ্জলতাসনা লৈরে হায়বা অসি হৌজিক্তি তাংদাংবা খংলে; মরম অদুনা হন্দক্কী চৎলিবা লান অসি থবক মরমদু অনিগীনি--ময়াং নিংথৌদা হায়ুনখ্রবা, ৱাগী ইকাই খুম্নবা ঙাক্নবগী অমসুং অমতা পোকপী মচা কুঞ্জলতাসনাবু থিনবগীদমক্কি। মনাও ইবুংঙো খ্বাইরাকপনা ময়াং লৈবাক য়ৌরবদা ময়াংগী নিংথৌদা দুত থারে— "শনোংবা হায়বা অদু রাজ বিদ্রোহীনি— অমসুং পাঙ্গল শোল্লবী মপী অঙাং পুন্নমক পুথুনা মহাক্কা ময়াং নিংথৌগী মফমদা চংখ্রবনি— অদুনা হৌজিক মহাকপু আশ্রয় পীবিবা অদুগী লমন খুম্নবা অমসুং মপী অঙাং পুন্নমকপু কন্নবগীদমক মহারাজ খগেন্দ্রজিৎনা ঐখোইই মৈতৈ তেঙ্গোন অসি থারকপনি; হৌজিক ময়াং নিংথৌগী ৱা ঙাইথুনা লৈজরি।"

খ্বাইরাকপা অথৌবগী ৱা অসি তাবদা ময়াং নিংথৌনা পাউ হল্লকই:— "মণিপুরগী নিংথৌগী মফমদা ময়াং নিংথৌ করিমতা কায়বা লৈতে; ময়াং নিংথৌ খংদনা শনোংবা য়াইস্কুল লাকপনা লৈরম্মে, মহাক্কা লৈবাক অসিদা অকায়বা অমতা চত্তনা লৈগে হায়না ৱাশকখি। মহাক্কী মণিপুরদা লান থোকপগী মরমদসু ময়াং নিংথৌনা খংহৌবা লৈতে। অদুগা মহাক্কা পুরকপা মপী অঙাং পুন্নমক ময়াং নিংথৌগী মচাগুম্না য়োকপিরি, অদুনা মহারাজ খগেন্দ্রনা ভুল ধারণা তৌবা খংদবননি। মনাও ইবুংঙো খ্বাইরাকপগী মজা ইবেম্মনচিংবা পুন্নমক করিমতা খুদোংথীবা লৈতনা রামনগরদা লৈরিবনি, চৎখ্রিবা দুত অসিনা মফমনচিংবা তাকচগনি। মণিপুরগা কাছাড়গা লোয়্নবা লৈবাক্লি; মহৌশাগী মবপ্পি। অদুনা মকপ ওইবা চেৎশিন্নবা ময়াং নিংথৌনা মহারাজ খগেন্দ্রদা শামু ৩০, নোংমৈ ১০০ উপহার তৌজখিবনি।

ময়াংনিংথৌগী পাউ হেক ফংবগা মনাও ইবুংঙো খ্বাইরাকপনা দুতকা লোয়ননা মজা ইবেম্মা লতাসনাগী মফম তান্না চংখ্রে। ঐখোইনা মমাংঙৈদনা হায়জখ্রবা অদুনি, মচা হায়বা অসিগী প্রেম অসি ওন্থোকপনি; শিখ্রবা মচানা অমুক হিঙ্গৎলকপদা হল্লাওগদবা অদু হন্দক ঐখোইগী খ্বাইরাকপা অথৌবদা থোক্লে। মপামচা উনরবদা অনৌবা প্রেমগী ঈথক হৌরে। মচাবু কোল্লথুনা খ্বাইরাকপা অথৌবনা হায়রকই; "ইবেম্মা কুঞ্জলতাসনা; নংগী ধর্ম্ম খংদ্রবা নতোনসু মণিপুরদা তুহৌরে; মাগী থোংমী লাম্মী অপুম্বা নপাবুং মহারাজনা লোইনা ফাহৌরে। অদুক কুইরবা অসি নংগীদমক ৱাবনা ইপাদি লৈফম চাফম খংদনা লৈরমলবনি অদুগা অসিদা ময়াং নিংথৌবু নতোন অদুবু আশ্রয় পীবগীদমক মতিক ওকপা দণ্ড পীনবগীদমক লান শোক্নবা লাকপনি,

হৌজিক্তি ময়াং নিংথৌশ্নু খগেন্দ্র মহারাজগী বুশ্যতা স্বীকার তৌরে। অদুনা তৌগদবা লোইরে—হৌজিক মণিপুরদা থোক্লনা নোঙ্গৌবীনা লাইজ ঈয়া ঙাইবগুম ঙাইহৌরিবা নমা অমসুং নপাবুং মহারাজগী অৱাবা কোকহল্লুসি। অসিদা লৈমিয়রিবা ননাই নশল অপুম্বা শেমশাহল্লো; হৌজিক অকবা ক্লেনফম্নি—যাত্রা তৌরসি।

মপাবুংনা তাকপা অপুম্বা লু লুকথরদুনা তারগা লতাসনানা খুমলকই৺ "পাবুং ইবুংঙো। পাবুং তোনবুদি নিন্দা তৌবিগন্র৺ পুম্নমক ঐবু চানবিবদগী থোকখিবা ঙাক্তনি। ঐগী মুপী ওইবগী পুক্লিং লেম্না অমসুং সত্যগী রাশক ঙাকপিনবগীদমক্তা ঐনা হায়জবা তাবিদুনা কোকথক্তা মীনা তাথীবগী অমুপ লুমলবা ভার অসি পুখ্রিবনি। পাবুং ইবুংঙোনা চানবিরবদি হৌজিক ফাওবসু পাবুংতোনবু মুংশিবিয়ু। অদুগা হৌজিক পাবুং ইবুংঙোনা পাবুং তোম্না অমসুং ঐনা চরণদা লানবা পুম্নমক ঙাকপিয়ু, পাবুং তাদনা৺ পাবুংগী সনা য়াথং ফংদনা ননাই মুপী ওইবগী পুক্লিং অকনবা অমনা থৌইনশিন ওইদুনা তৌকবা পুম্নমক সনা চরণনা ক্ষমা তৌবিয়ু। হৌজিক্তি ননাইশিং পাবুংতোনগী থৌগল ইনখিবা লুচিংবা পুম্নমক তৌবুলগী লান্দা তুবে হায়বা তাজরে; লাইবক থীবনা ননাই ঐহাক লুপ্রা হায়বা অদু ওইজরে৺ মপাগী মক্কমদা লানবগী দণ্ডি ফংলে। তৌইগুম্বসুং পাবুং ইবুংঙো। ননাই ঐহাক্তি মুপীগী জাত্তা পোক্লবনিনা মুংশিরবা মমা মপামকপুসু মপুরোইবনা হেনকম থোক্রে, অদুগা সনা চরণনা কৃপা তৌবিয়ু— ননাই ঐবুদি ইপুরোইবনা মণিপুরদা থোকউ হায়বা য়াথং পিবিরমদু অদুনা মপোক অসিমা লোইহ্রিবা ফাওবা ননাই ঐহাক রামনগর অসিদা ইপুরোইবা ঙাইবা তারে। লাইবক থীবা মরমনা ইমাগী৺ ইপাগী অমসুং ইপুরোইবগী লমন অমতা খুম্বা ফংদ্রে। হৌজিক ননাই ঐগী সহোদরমক শক্লবা ইবুং নবীন হায়বা অসি ননাই ঐগী ধর্ম্ম গুরুনি। ননাইগী মচীন্দগী ধর্ম্মগী বা তাদুনা ননাই ঐগী কংলবা থম্মোইদা ধর্ম্মগী মযোল লুনবগুম তৌবে। রাম সীতাগী গুণ তাবদা য়ামদ্রবদা মিত্তা পি শিম্ববা মথৈদদি হৈরে। পাবুংগী চরণনা কৃপা তৌবিয়ু—ননাই ঐহাক মণিপুরদা থোকচররোই। ননাই ঐগীদমক ৱাবিবা থাদোকপিরো।—পাবুং ইবুংঙো। সংসার অসিদা কনানা কনাগীনো? পুম্নমক অরেম্বনি; মৈতাম্না হেক ৱাখৈবদা পুম্নমক মাংগদবনি; কনানসু লোয়ননা চংকদবা লৈতে। ইবুং অসিনা তাকপিদুনা তাজরে৺ সীতাকুণ্ড হায়বা অসি অসিদগী লাপত্রে। জগন্মাতা জানকী হায়বী অসি পতিব্রতা ওইবগী অথেংবা খুদম উৎকে হায়বগীদমক্তা সংসারদা অবতার তৌবনি। তীর্থ অমতং দর্শন তৌনবা পাবুংগী চরণনা কৃপা তৌবিয়ু।—মাসিনা ইপা৺ ইমা অমসুং ইপুরোইবগী লমন শিংবা শকচগে।"

কোঙবা লাইরিক্কি : অহানবা খুৎনম (First Edition) খৃঃ ১৯০৫ চংদনি।

সাহিত্য অহানবা

শ্রীখাইরাকপম চাওবা সিংহ
শ্রীহবাইবম নবীপচন্দ্র সিংহ

শ্রীখাইরামপম ৺চাওবা সিংহ সাহিত্যরত্নগী শৈরেং বারেংদমক লৌখৎচবনি।

ৱাহৌদোক।

বঙ্গদেশ অমসুং আসামগী হাইস্কুলগী ক্লাশ II অমসুং III গী পাঠ্য ওইরিবা লাইরিক ৫/১০ গী মতা য়েংদুনা লাইরিক মচা অসি লেংনবা হোৎনজে। মাসি লেংবদা মথাগী হিরম খরা অসিদা থোইনা হেন্না খিৎয়েং চংজে :—

১। অঙাংশিংবু লোন তম্বিবগা লোয়ননা রাজভক্তি, গুরুভক্তিনচিংবা কায়দবা তম্বিনবা হোৎনবা

২। নৌরিবা অঙাংশিংগী থোৎলবা পুক্নিংদা ফজবা লমচৎকী অমসুং ভাবকী খুদম উৎনা মাহু পামহন্নবা লাক্লবা।

৩। মতমগী জ্ঞান অমসুং বিজ্ঞানগী বা খরদং অরায়বা মওংদা উত্নুনা খঙহন্নবা লাক্লবা।

৪। লাইরিক অসিমক মুসলমানমচাশিংনা তম্বদা মতিক চানবা ওন্নমথৈ হোৎনবা।

৫। লাইরিক অসিমক মুপীমচাশিংনা তম্বা তারবদা হিরম খুদিংমক্তা মাখোইগীসু কান্নহৌনব য়েংবা।

৬। মতিকচাবা নৈননবা বাহং হাপ্তুনা ওজা ইবুংঙোশিংগী অমসুং ছাত্রমচাশিংগী খুদোং চানবা হোৎনবা।

শন্না হায়রবদা লাইরিক অসি নিম্নপ্রাইমারী পরীক্ষা পীগদৌরিবা অঙাংশিংগী মতিক চানবগীদমক ওন্নমথৈ হোৎনজরে ; মাসিনা মাখোইগী খরদং কান্নরবদি নোম্বা মহৈ য়াল্লে হায়না নিংদুনা হরাওজগনি। ইতি

শ্রীখাইরাকপম চাওবা সিংহ
শ্রীহবাইবম নবদ্বীপচন্দ্র সিংহ

সাহিত্য অহানবা।

অয়ুক অঙনবা।

ঙাল্লে ঙসিদি, শেংলবা অয়ুক্তা,
অনৌবা হুম্মিংকী মেংলবা মঙাম্না।
শাংলে অয়াম্বা, নিংথিবা লৈরাংনা
লিক্লানা চোংলবা অশংবা লৈকোন্দা।
ঙংলে খোইমুনা, মপুগী গুণবু
ফুগাম্না শাংলসা লৈরাংবু উহুনা।
কংলে শীংঙেনবু, মপুগী চরন্দা
ঈংলবা নামিবা মলয়া হুংশিংনা।
শংক্লে উৈফেদা, চেক্লাগী শঙুবা
মপুম্না পীনবা হুংশিবা খোজেম্না।
হৌরো অঙাংশা! হুংঙাইবা অয়ুক্তা
মপুনা উৎলিবা, ইঙ্গিৎপু উহুনা।
পাংঙো মাঙাগী, মেংলবা খোজেম্না
হুংশিবা চেক্লাগী হুরগা তিম্না।—
"জয় ভগবান, জগৎকী মপাও!
তোল্লবা নমাইনা থুরমজে থুরাদা।"
ফনি নশাংন্থ, পাঙ,গনি নখৌন্থ
নোংমগী অয়ুকী হুংশিংনা য়ৈরগা।
হৌরো অঙাংশা! অসুম্বা মতমদা
মপুনা উৎলির্বা ইঙ্গিৎপু খঙ,হনা।

বাহং

১। অরায়বা লোন্দা অর্থ হায়য়ু :— মেংলবা, নামিবা, ফুগায়না, শীংঙেন, মলয়া, চেক্লাগী, ইঙ্গিং, নাৰাগী, স্নুর, ভগবান।

২। "অয়ুক অঙনবা" হায়বা শৈরেং অসি গন্থগী মওং ওইনা হায়য়ু।

৩। অরায়বা লোন্দা শব্দোক্না ব্যাখা তৌ।

(ক) ঙংলে খোইমুনা ··· ···· ···· ···· ···· ···· মলয়া মুংশিংনা।
(খ) হৌরো অঙাংশা ···· ···· ···· ··· ···· ···· ইঙ্গিংপু উহনা।

৪। ভাবার্থ হায়য়ু :— (ক) ফনি নশানু ···· ···· ···· ··· মুংশিংনা য়ৈরগা।
(খ) পাংঙো নৰাগী ···· ···· ···· ···· স্নুরগা ভিন্নমনা।

৫। শৈরেং অসি তমলগা করি পাউতাক ফংবগে ?

নিংথৌরেন মঙাশুবা জর্জ্জ।

ঐখোইগী ভারতবর্ষগী নোঙ্গাঞবা নিংথৌরেনগী মমিং মঙাশুবা জর্জ্জ কৌই। মহাক্তি ইংলণ্ডদা লৈরম্মি। ইংলণ্ড হায়বা অসি ভারতবর্ষগী কৌক্রলায়জি পাংবদা মাইল লিশিং মরিরোম লাপ্না লৈ। ইংলণ্ডদা জর্জ্জ কৌবা নিংথৌ মরি হান্না পানখ্রে হায়ত্থনা মহাকপু মঙাশুবা জর্জ্জ হায়না কৌনৈ। নিংথৌরেন পঞ্চম জর্জ্জ হায়বা অসি য়াম্না মগুণ চেনবা, লৌশিংশিংবা, থৌজালথৈব অমস্তুং প্রজানিংবা নিংথৌনি। মহাকী লৈবাক য়াম্না চাউই অমস্তুং মহাকী মথাপোনবা নিংথৌ য়াম্না লৈ হায়ত্থনা মহাকপু নিংথৌরেন কৌনৈ। নিংথৌরেন পঞ্চম জর্জ্জগী লৈবাক্তি ইংলণ্ড, আয়র্লণ্ড, অষ্ট্রেলিয়া, ভারতবর্ষ অমস্তুং কানাডা অসিনচিংবা অসিনি।

খৃষ্টাব্দ ১৮৬৫ শুবগী জুনগী তারিখ ৩ দা সম্রাট পঞ্চম জর্জ্জ পোকই। মহাক নিংথৌরেন ভরেংশুবা এডবার্ডকী মচা অহনমক্তি নত্তে। খৃষ্টাব্দ ১৮৯২ শুবদা ময়াম্বা অহল আলবার্টনা শিরবদা মহাক্না যুবরাজ ওই। যুবয়াজ ওইরবদা মহাক্না মগুণ চেন্নবী ডিউক ওফ, টেককী মচানুপী রাজকুমারী মেরীবু লুহোংত্থনা লৌখি। খৃষ্টাব্দ ১৯১০ শুবদা নিংথৌরেন ভরেংশুবা এড-বার্ডন শিরবদা মহাক্না নিংথৌগী খুভম ফংখি ।

নিংথৌরেন পঞ্চম জর্জ্জ হায়বা অসি অকবা নিংথৌনি হায়বতা নত্তে, মহাক অসি মীগী মপাল তাংবা হৈত্তবা, তৌগদবা থবক্তা মায়-ওনশিনবা অমসুং নোংচুপকপগী ফিদমগী মশক ওইরবা মী অমনি। মহাক্না নহা ওইরিঙৈদগী সমত্রু চৎপগী বারী তাবা য়াম্না পাম্মি, অমসুং ঈশিংগী লাম্মী ওইনিংবগী মতৌ উৎপা উত্তুনা নিংথৌরেন এডবার্ডনা মহাকপু লম অদোমদা তম্বিগে হায়না নিংখি। মাত্তুগী মতিকচাবা চহী মতাং য়ৌত্রিঙৈদা য়ুমদা ওয়া থমত্তুনা মহাকপু ধর্ম্মশাস্ত্র অমসুং হিরম অতৈ অতৈ তম্বনবা শীনখি।

চহি তরানিথোই শুবদা মহাক ঈশিং-লাম্মী ওইহনবগীদমক লম অতদা তম্বা হৌরে। মাত্তুদা মহাক্না অচম্বা জাহাজগী খালাসীশিংগা লোয়ননা জাহাজগী কম্বাক শেংদোকপা য়াওই; অহিং মিশোং খাঙত্তুনা জাহাজ ঙাকপগী থবক তৌবা য়াওই। কন্নি করিগুম্বদা অকনবা নোংমুংশিংকী মরক্তা জাহাজগী মাস্তুল য়ৌনা কাত্তুনা জাহাজগী পাল থুপচিল্লি অমসুং অকনবা ঈথক্কী মরক্তা জাহাজদগী অপিকপা হি মচা থাদত্তুনা হোল্লি মাত্তু তৌবদা নিংথৌমচানি হায়ত্তুনা মহাক্না করি অমতা ইকাইবা তৌখিদে অমসুং তৌগবদা মথৌ তৌবদা মহাক্কী মমল য়ামলবা মথৱাই অত্তু করি অমতা পাম্মুবা তৌখিদে। মরম পুন্নমক অসিনা ঐখোয়গী নিংথৌরেন্না অসুপ ফবা মী অমসুং নিংথৌ অমা ওইবা ঙমখ্রিবনি। অসুম্না অফবা নিংথৌ অমা ফংজবা অসি ভারতবর্ষগী প্রজা পুন্নমক্কী মরাইবক ফবনি। হৌজিক্তি মহাক্কী মতিক চারবা অনিশুবা মচা তরুকশুবা জর্জ্জনা ভারতকী নিংথৌরেন ওইরে। ঈশ্বরনা ভারতকী অনৌবা নিংথৌরেন অসিবু চানবিত্তুনা নুংঙাই য়াইফবা অমসুং পুনশি তোলোইবা পীনবিবা ওইসনু।

বাহৎ

১। শব্দার্থ হায়য়ু:— নিংথৌরেন, যুবরাজ, ফিদম, ঈশিংগী লাম্মী, পুন্সি-তোলোইবা, রাজকুমারী, ধর্ম্মশাস্ত্র।

২। হৌজিক পাল্লিবা বিলাতকী নিংথৌরেন অসিগী মমিং করি কৌবগে? মহাকপু নিংথৌরেন কৌবনা কন্নিগীনো? মহাক্কী লৈবাক করম কয়স্বা মফমদা লৈবগে?

৩। নিংথৌরেন মঙাশুবা জর্জগী পুন্সিগী মরমদা খঙবমথৈ হায়য়ু অমসুং মহাক্কী পুন্সিগী বারী পায়গা করি পাওতাক ফংবগে?

৪। মথাদা ইন্নিবশিং অসিগী মরমদা করি খঙবগে?—

মাস্তুল, তরেংশুবা, এডবার্ড, ডিউক টেক, মহারাণী ভিক্টোরিয়া, প্রিন্স আলবার্ট।

অচুম্বা ঙাংবা

(জর্জ বাশিংটন)

জর্জ ওয়াশিংটন্না অঙাং ওইরিঙৈদা মপানা নোংমা মাঙোন্দা অথৌবা শীংজং অমা পীরম্মি। অঙাংগা অঙাওবগা মান্নে হায়বা অতুনি; মখুত্তা শীংজং অমা ফংলবা অতুদা ওয়াশিংটন্না মমাংদা লৈরম্বা উ বা পুম্নমক য়াম্থোক্নুনা শীংজংগী অথৌবা চাং য়েংবা হৌরক্লে। মাখোইগী ইংখোল্লা ফজরম্বা উপাল অমা হৌরম্মি; মাহু মপানা য়াম্না চেকশিন্না থমজিবা পাম্বী অমনি। জর্জ ওয়াশিংটন্না প্নমিং হুম্নি মরিল্লি মহাক্কী অমুক্কী তৌগদবা থবক হেক লোইমগা শীংজং অহু শায়দুনা পাম্বী অতুনা থাঙথা অমুক অনিরক হেক হেক থারম্বদা পাম্বী অহু কংশিল্লক্লে। মহাক্না পুনা থাজরবা পাম্বী অতুনা কংশিল্লকপা উরতুনা অহল ওইরবা মপা ওয়াশিংটন য়াম্না শাউরে অমসুং মনাইশিংবু কৌরতুনা হংলকই "কনানা পাম্বী অসিদা থাঙনা য়ানবগে?"

মীনাইশিংগী মরক্তা অয়াম্বনা মাহু জর্জ ওয়াশিংটন্না তৌবনি হায়বা খঙলম্মি; তৌইগুনসুং জর্জবু ফৃবিররগনি হায়বগী কিবনা কনাসু মবুংঙোদা তাকপা ঙম্নরে, অমসুং মমায় মায়থোং ইমক মকশিন্না অমগা অমগা য়েংনতুনা লৈরে। মাহুদা অহল ওইরবা মপা ওযাশিংটন্না মনাইশিং অহুবু থোইদোকপদি মালী অমসুং চৌকিদারবু য়াম্না চৈথাংবা হৌরক্লে। লাইগী নোংদমদগী জর্জ ওয়াশিংটনসু মখুত্তা শীংজং পায়রতুনা মফম অহুদা থুংলরে। মচাগী মখুত্তা শীংজং উবদা মপাগী পূক্লিংদসু চিংনবা পোক্লে; অতুম ওইনমক মনাইশিংবু তুংদা চেকশিলহন্নবগী অমসুং মচাবুসু কিহন্নবগীদমক অকিবগী মশক ফংনা লাউথোংতুনা চৈবা হৌরক্লে। অঙাং ওইরিবা জর্জনা মপানা শাউরিবা অতুগী মরম খঙলতুনা শীংজং অহু মপাগী মথোঙ ময়াদা থমলতুনা য়াম্না নুংশিবা থোপ্লেন্না হায়রকই:— "ইপা ইবুংঙো! হন্দকী ফত্তবা থবক অসি ওকত্রবা নচা ঐনা খঙদতুনা তৌরুরবনি; মীনাইশিংগী মরাল করি অমত্তা লৈতে; মাসিগীদমক পীগদবা দণ্ড ঐঙোন্দা পীবিয়ু।"

চহি নিপান্দা ঙাররিবা অঙাংগী অসিগুম্বা পুকচেল তিংবা অমসুং অচুম্বা মাঙ্গনশিনবা উবদা অহল ওইরবা ওয়াশিংটননী হৃদয় ঙমখৈ লৈখিদ্রে। নুংশিনবা মচা জর্জবু পমলতুনা চুপ্লতুনা মপানা হায়রকই "ইবুংঙো! নংগুম্বা অচুম্বা ঙাংবা মচাগী মপা ওইনা ফংতুনা ঐনা ঙসি নুংঙাইরিবা অসি অসিগুম্বা পাম্বী লিশিং অমা মাঙহনসু ময়েং তাগদবা লৈত্তে। করিগুম্বা লৈত্তবা হিরম অসিদা নংনা ঙসি থৌনা কন্না উংলিবা অসুম্না নপুন্নশিচুম্না অফবা থবক্কী ঈচংথৌবা উংপা ঙমলবদি নহাক শোয়দনা তৌঙমদ্রবা থবক পাঙথোক্নুনা তেংবানবদা অমাঙ অত্তা লৈত্তবা মিংচং ফংবা ঙমলগনি।" মপানা পীখিবা বর অসি জর্জ ওয়াশিংটন্না ইকা

কায়দনা কংথি। অচুম্বা হিরমদা ঈচং থোরবা নিপামচা জর্জ অসি কনানো অমসুং মহাক অসি তুংদা করম তৌখিবগে হায়দুনা নথোইনা খঙ.নিংবা য়াই। নথোইনা তুংদা মাগী মরমদা য়াম্না তারকনি অমসুং পারকনি; হৌজিক্কি অসি মথৈতা খঙ.দুনা খল্লু— মহাক অসি অতৈ কনা অমা নত্তে— মহাক্কী ঈচং থোবা অমসুং থৌনা কবম্বা মীথা পোল্লম্বা আমেরিকাগী ইউনাইটেড. ষ্টেট হায়বা লৈবাক অদুনা মনিংমথা তম্বা ঙমখিবা অমসুং অকিবগী অর্থক কংনা লান শোক্লবা মতুংদা লৈবাক্তা সাধারণ তন্ত্র লিংখৎলবদা অহানবা সভাপতি ওইখিবা পৃথিবী শীনবা থুংনা মমিং চৎলবা জর্জ ওয়াশিংটন হায়বা অদু হন্দকী অচুম্বা হিরমদা অকিবা লৈত্রবা নিপামচা অসিনি।

বাহং

১। শব্দার্থ হায়য়ু:— ঈচংথোবা, তৌঙমদবা, মিংচৎ, মিথা পোল্লবা, সাধারণ তন্ত্র, সভাপতি, দণ্ডি।

২। জর্জ বাশিংটনগী বারী শম্না লীয়ু অমসুং মাহু তমলগা করি পাউতাক ফংবগে হায়য়ু।

৩। ব্যাখ্যা তৌ:—

(ক) ইবুংঙো। নংগুম্বা অচুম্বা ঙাংবা ... ... মিংচৎ ফংবা ঙমগনি।

(খ) মহাক্কী ঈচংথোবা ... ... — ... ... নিপামচা অসিনি।

শারিঙৈদা য়ৈহৌ

শারিঙৈদা য়ৈহৌ শাজলিংবা শাহৌ।
য়োংনা ঙাঙিঙৈ অসিদা।
মতমচানা তৌহৌ পুক্নিং কংনা হোৎনৌ
থবক ঙমগে তানবদা।
মতম্মা মরাইনা পুরকনি মনা
মতমদা শীজিন্নৌ নিংথিনা।
অতৈনা ঙমম্বা নংনতা ফিরিবা
করিগী ঙমদকম লৈবা?

থবক তৌরবদি পাও,গে নিংলবদি
উইল কনবা চুপ্পি।
খুদি হেক থীবগা ওমজ্রে থম্নুনা
তুংহন্নবদি লাল্লি।
চীঙ্গাগে হায়রবদি মতোল রোগে তাল্লবদি
হান্না কানবা হোৎননি।
চীংথোঙ,দা লেপ্‌ল্‌না নোংথক্তা রেংহুনা
লৈরগা করম্না য়োগনি।
নংনা নিংশিংগদবদি— কাউরোইদবা য়াদি
"মতমচানা পুক্লিংচংনা হোৎনো"।

য়াহৎ

১। শৈরেং অসি গদ্য তৌহনা হায়য়ু।
২। মাসিগী মরু ওইবা ভাব অরায়বা লোন্দা হায়য়ু।
৩। মাসি তমলগা করি পাউতাক ফংবগে হায়য়ু।
৪। অরায়বা লোন্দা ব্যাখ্যা তৌহনা তাকউ:—
(ক) শান্নিঙৈদা য়ৈহৌ ... ... ঙাঙিঙৈ অসিদা।
(খ) মতম্না মরাইনা ... ... শীজিন্নৌ নিংথিনা।
(গ) খুদি হেক থীবগা ... ... — করম্না কাগনি।
৫। শব্দার্থ হায়য়ু:— উইন কনবা, তুংহন্নবা, নোংথক্তা, চীঙ্গাগে।

মহারাজ সার চন্দ্রকীর্ত্তিসিংহ কে, সি, এস, আই।

নখোইগী মরক্তা অয়াম্বনা ঐখোইগী হৌজিক পাল্লিবা মহারাজ ইবুংঙোবু উরম্লিগনি হায়না নিংই। মথল মখা অয়াম্বা অকবা থবক তৌবিবগীদমক ঐখোইগী ইবুংঙো, মহারাজনা মতিক চাউরবা সরকার বাহাদুরদগী অমসুং ভারতকী সভা অতৈ অতৈদগী সি, ব্রি, ই; কে, সি, এস, আই; শ্রীকুণ্ড সেবা বিনোদ অসিনচিংবা উপাধি মথং মথং ফংহুনা ঐখোইগী মৈতৈ অপুম্বগী লেমজনফম ওইবিরে হায়বা নখোইন্না মতারম্বা য়াই। হৌজিক কে, সি, এস, আই, হায়বা মিংথোল অসি ফংথিবা ঐখোক মৈতৈগী নিংথৌ অমগী য়া নখোইদা হায়গে।

ইংরাজী চহি কুমজা ১৮৫২ রোম শুবকপদা মণিপুরদা চন্দ্রকীর্ত্তিসিংহ কৌবা নিংথৌ অমা পাল্লম্মি। নিংথৌ অসিনা পানবা মতমদা মণিপুরদা অহানবা ডাকঘর, ডাক্তরখানা, টেলিগ্রাফ অসিনচিংবা হৌজিক্কী মতমগী কাম্নবনি হায়না নিংনবিবা পুম্নমক লিংখৎপা হৌখি। নাখাই অয়াম্বনা জনষ্টোন স্কুলগী বা তাবরিগনি, মাসিসু মতম অদুদা য়াম্না পিকপা মওংদা লিংখৎপা হৌখিবনি। মহাক্না মুসলমান প্রজাশিংগী খুদোংচাননবগীদমক মণিপুরদা কাজি হায়বা কম অসি অহানবা শেমদুনা মুসলমানগী জাতি অমসুং ধর্ম্মগী ইকাইখুম্নবা উৎখি। নিংথৌ অসিনা পানবা মতমদা মণিপুবগী মতিকচাবা পুম্নমক মহারাজ ইবুংঙো অসিনা পানবা মতমদা অহানবা মঙ্গ চুনখি।

ইং শোক ১৮৭৯ শুবদা মণিপুবগী অৱাং পাংবদা লৈবা নাগা পাহাড় জিলাদা ডামৈ চীংমীশিংনা লান হৌরকুনা ব্রিটিশ গবর্ণমেন্টকী য়াম্না খুদোংথীবা অমা থোকখি। সরকারনা মজা ইবুংঙো শূরচন্দ্রসিংহ অমসুং টিকেন্দ্রজিৎসিংহ অনিবু থাদুনা অৱাবদা তারমলবা ইংরেজ মুপা মুপী অমসুং লাম্মীশিংবু কনবিখি। মহারাজগী থবক পুম্নমক অসি নিংশিংদুনা মতিক চাউরবা সবকার বাহাবদুবনা তৌবিমল খুভবগী মশক ওইনা অফোংবা সভা অমদা কে, সি, এস, আই, হায়বা মিংথোল অসি পীখি অমসুং "মহারাজ সাব" হায়না কৌদুনা ইকাইখুম্নবা উৎখি।

ৱাহং

১। মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিসিংহগী মবমদা খুঙবমথৈ হায়যু।
২। কে, সি, এস, আই, হায়বা অসিগী অর্থ করিনা?
৩। অর্থ ইয়ু:— কাজি, লেমজনফম, মতিক চাউরবা অমসুং মিংথোল।

মুমদা য়োকপা শানা কাম্নবা।

শল, ইরোই, শগোল, হুই, হৌদোং, অসিনচিংবা জীব অসিনা মীওইবগী য়াম্না কাৰৈ। মরম অসিনা মীওইবনা মখোই অসিবু য়াম্না লুনা যোক্নৈ। তাইবং মীগী মযুমদা য়োকই হায়দুনা মাখোইবু মুমদা য়োকপা শা নত্রগা যুমশা কৌনৈ। শা পুম্নমক অসি মমাংঙৈদদি নারক মাথোইবু মুমদা য়োকপা শা নত্রগা যুমশা কৌনৈ। মীওইবনা লোইদুনা য়াম্না চেকশিন্না হোৎন-শীংলক্না মনিংমথা তন্না কোয়দুনা লৈরম্বা ডাক্তনি। মীওইবনা লোইদুনা য়াম্না চেকশিন্না হোৎন-খিবতনা মাখোই অসি তেঙ্গবনি। অয়াম্বা শাদি হৌজিক ফাওবা নারক-শীংলক্না লৈরি।

য়ুমশা পুন্নমক্কী মরক্তশীসু য়ম্না খ্বাইদগী হেন্না কান্নে। শঙ্গোম হায়বা অসি ঐখোইগী হাউরবা অমসুং কান্নরবা চিঞ্জারি। শঙ্গোম অফবা, শঙ্গোম মপাল, মাখণ, ঘি, অসিনচিংবা হাউরহাউরবা চিঞ্জাক অসি শঙ্গোমদগী থোকপা ওাক্তনি। শঙ্গাবনা ঐখোইনা লৌ খোইনৈ, গাড়ী চিংনৈ। শঙ্গী অমসুং শনয়ুংনা লৈপাক্কী লৈহাও হেনগৎহল্লি। শঙ্গী কংহন্দুনা অয়াম্বনা শীংজী মহুত্তা মৈ থানৈ। শক্তনা ছুরিনচিংবগী মখোক শাবসু য়াওই।

ইরোইসু শনগুম্না কান্নে। ইরোইনা শন্দগী কনবা হেনবা মরম্না হেন্না কন্না থবক শীজিন্নবা য়াই। মাগী মখোমদি য়াম্না নঙঙি অমসুং পাঙ্গল কন্হল্লি; তৌইগুম্বসুং শঙ্গোমগুম্নদি হাউ্তে।

শগোল হায়বা অসিসু কান্নরবা শা অমনি। শগোন্না য়ুমশা অতৈ অতৈদগী হেন্না য়াঙ্না চেনবা ঙম্মি; ঐখোইনা শগোল তোংদুনা অরাপ অরাম্না মফম ঙাইহাক্তদা চৎপা ঙম্মি। কনা কনাগুম্বনা শগোন্না পোংচৈসু হোন্নৈ। শগোন্না গাড়ীসু চিংনৈ হায়বা নখোইসু উররিগনি; বিলাতনচিংবা লৈবাক্তদি শগোন্না লৌসু খোইনৈ।

হুই অমসুং হোদোংনা করি কান্নবগে হায়বা নখোইসু খঙলিগনি। হুই হায়বা অসি মপু নিংবা জীবনি। মাখোইনা ঐখোইগী য়ুম শঙিঙ। মপুগী ইংখোন্দা শল ওক্তচিংবা শা নত্রগা খঙনদবা কনাগুম্বা মী লাক্লবদি হুইনা লাউনা খোংহুনা চংহল্লোইদবগী কন্না হোংনৈ। য়ুমদা উচি লৈরবদি ঐখোইগী কয়া মাঙবগে হায়বা নখোইসু খঙিঙবনি— ফৌচেং, ফিরোন পুন্নমক চীকথত্তনা মাঙহল্লি। হোদোং লোইরবদি য়ুমদা উচি লৈবা ঙমদে।

নখোই অয়াম্বনা শামু উররিগনি হায়না নিংঙি। মখোঙ, মরি পানবা জীব পুন্নমক্তগী শামুনা খ্বাইদগী হেন্না চাউই। মীনা লৌশিংগী পাঙ্গন্না অসুপ চাউরবা শা অসিবু য়োক্তনা থবক শীজিন্নরি। মমাংঙৈদদি মীনা শামু তোংদুনা লান শোক্তরমই। হৌজিক্তি শাদানবশিংনা শামু তোংদুনা অশোংবা নারক্তা কৈনচিংবা শা তানবা চৎলি। মী মরি মঙা পুল্লপা শামুগী মথক্তা তোংবা য়াই। অদুগা মী তন্না কুন্না লেঙবা ঙমদবা পোৎলুম অদু শামুনা ইলায়-লায়না থাঙ্গৎপা ঙমই। ঐখোইগী লৈবাক্তদি শামু হায়বা অসি লুহোংখোংদোংবা নত্রগা কুম্মৈ-ফিয়োংগী মতমদা অচৌ অশাংনা তোংনৈ— মক্তদি, মাসি নিংথৌতগী ওইনা তৌই। তৌইগুম্বসুং মীরৈবাক্তদি মাসি অক্তম অক্তম্বা ঊনচিংবা চিংনবগীদমক শীজিন্নৈ।

নখোইনা হামেং অমসুং য়াউ উররিগনি হায়না নিংই। হামেংগী মখোম হায়বা অসি পাঙ্গল পোক্তবা ওইবা অফবা চিঞ্জারি। য়াউগী মতুনা অফবা কি শানৈ। উট অমসুং লোলাগী বা নখোইসু তাররিগনি।—উটনা উপাল থাপাল হোৎত্রবা, ঈশিং লৈতবা মরুভূমি (লৈকংলা) লাক্লবদা

মীওইবগী য়ান্না কান্নে। লোলা হায়বা অসি য়ান্না তপ্লবা শানি। মীনা লৌলাবু অক্কম-অক্কম্বা পোৎ পুবদা শীঃজিন্নে। মমা মখোম থোক্তবা নৌনা পোকপা অঙাংগী মফমদা লোলাগী মখোম পিথকপা য়ান্না কান্নে।

মরম অদুনা তোল্লবা জীবশিং অসিনা মীওইবগী কয়া কান্নবগে হায়বা অদু নখোইনা খঙলে। নখোইনা মাখোইগী মফমদা থোজালহৈবা লমচৎ চৎপিগদবনি। মাখোই অসিবু থীনা তৌরবদি থোইদোক্লা তৌবিমল খঙদবা থোক্কদবনি।

বাহৈ

১। য়ুমশা কদায়বু কৌবগে? নংনা তত্তনা উবা য়ুমশা মঙাদংগী মমিং হায়য়ু অমসুং মাখোই অদুনা করি কান্নবগে তাকউ?

২। য়ুমশা পুন্নমকী মরক্তগী করিনা থুইদগী হেন্না কান্নে হায়না নিংবগে? মরম করিননো?

৩। তোল্লবা জীবশিং অসিদা করম্বা লমচৎ চৎপা হৌনবগে? করিননো?

৪। লমশা কদায়বু কৌবগে? য়ুমশাগা মাখোইগা কয়ি থেন্নবগে?

৫। মরুভূমি কদায়বু কৌবগে? মাদু লান্নবগী অথোইবা পান্নে করিনো?

মী পুন্নমক মহৈ তমগদবনি।

চাউরেন হায়বা অসি লৌউবা মীনি; মাগী খুন অদুদা মচিল্লাক চান্নিবা লুপা অমনি। মাগী মনি কৌবা মচা লুপা অমা লৈ। নোংমা মাগী খুন অদুগী পাঠশালাগী ওজা অহন অদুনা চাউরেন্দা হায়খি "তাদহন; মনিবু লাইরিক তমহন্দবা করিননো?

চাউরেন—ওজাবু, ননাই ঐখোইদি লৌউবা মীনিদো, লৌ অসি উরগতা চাজরিবা! ননাই অসি শনজেন শনঙাক থর থর ঙমজরক্লে; অসিদা লাইরিক তমহনবনি হায়দুনা থাদোক্লবদি, ওজাবু ননাই অসি নাতোল্লং হায়বা অদু ওইথিবা তারে। অশেমগী ননাই খুড়া পোইলাগী মচা মাধবতৌনা লাইরিকতবু তমলুরবদি ফৈজোম তোমাল লেৎকে, থোংজেপ খুড়াইকাবী উপকে চান্নরকনিদো। অদুগা মাহাক্লা হৌজিক লাইবিক তমলুদুনা করিবু কান্নরগবনো? ইবুংঙো ইবেম্মা মচা চামা চামা মেট্রিক, আইঃ এঃ, বিঃ এঃ পাশ তৌদুনা থবক কংদদুনা লৈরে। মৈতৈ মচা পুন্নমক স্কুল তমগন্নিতা মহায়খ্রে; মৈতৈ লৈপাক খুজোক অসিদা মাখোইনা করি থবকপু তৌরগবনো? খঙত্রে।

ওজা — তাদহন, মাদুদি লাল্লে। মহে তম্বা হায়বা অসিদি সরকারগী থবক চৌনবগীদমক্তদি নত্তে ; মহে তম্বগী মরু ওইবা মরমদি— জ্ঞান চাওখৎহনবনি।

চাউরেন — য়াম্না চুম্মি ওজাবু ; মহে তমলগা বুদ্ধি লৌশিং চাওখৎলি হায়রা অসি ঐসু থাজজে ; অদুদা হৌজিক্তি জ্ঞান চাওখৎনবনি হায়দুনা স্কুলদা মথাক্সরগনি হয়েং তম্বা লোইরগদি থবকসু ফংদা, লৌউ-শীংজনবসু হৈহৌদা ব্রত কৎপা তারবদি কাহামাঙ খুঙাই কায় হায়দুনা তোকদৌরি।

ওজা — ঙাইখো, ঐনা হায়রিবা অসি চাদহন্না ভাব তাদরে। জ্ঞানবু লৈরবদি থবক পুন্নমক্তা ফবা ঙাক্তনি।

চাউরেন — কৈদগী ইবুংঙো বাবু, ইবুংঙোখোইনা ভাব অমদা চৎপ্রবননি। ঐগী ননাই মণি অসিবু লৌ উহনগদবা লৈরবদি লাইব্রিক লাইশু তমহন্দুনা মতম মাঙহল্লুবগী করি কান্নবা লৈনগে ? ঐখোইগীদি লৌনা ইপানি, ইংখোম্না ইমানি।

ওজা — চুম্মিনে তাদহন, লৌউবা হায়বা অসিসু মহে অমনি ; মাসি যাম্না ফরবা থবক্তি। চাক, ইনশাং, ফিরোন পুন্নমক অসি লৌউবগী থবক্তগী পোকপা ঙাক্তনি, ঐসু য়ারি — শৌটবগী থবক নত্তনদি ঐখোই মীওইবগী হিংকম লৈতে। তৌইগুম্বসুং হিরম পুন্নমক্তা জ্ঞান হায়বা অসি চংই. ঐনা হায়বা অসিদা শাউগনু — তাদহনখোইগী ফৌখোক অসিবু থাইনদগী হুম্বদ্রিব্র অত্তগা লৌউনা অসি থাইনদৌনা অত্তমক কান্নরিবরা ?

চাউরেন — মাদুদি করিবু হায়সিগে ? ঐগী অরাংগী তেরা মখোঙগী শংঙম অসি মহৌশাদি কৌপোং কুন্দগী তাবা লৈতবনি, হৌজিক্তি তরা থোকপা বারে।

ওজা — করিননো ?

চাউরেন — খংদেদা ইবুংঙো বাবু, রানা হোৎনবসু হায়নিংঙাই লৈতে ; লৌ-শীং অসি চাখোকপু ইরৈ লৈত্রমাল্লে।

ওজা — তো, তাদহন মাদু খঙগে হায়রবদি জ্ঞান লৈতবা য়াদে, জ্ঞান হায়বা অসিদ লাইব্রিক লাইশু নিংথিনা তমলগা ফংবা ঙম্মি। লৌউবা, মিস্ত্রি, কিশাবা, ঙা ফাবা, মাচ কাওবা জ্ঞান লৈরবদি মাগী মাগী থবক্তা শোয়দনা চাওখৎপা ঙমগদবনি। ইউরোপ, আমেরিকা-নচিংবা চাওখৎলবা লৈবাক্তা নিংথিনা তমলবা লৌউবশিংনা মহৌশা মণ তরাদা খোল্লবা লৌকম মচেৎ অত্তদা মণ তরামঙা তরাতরুক থোকহনবা ঙমদুনা মহৈগী কান্নবা উৎপা ঙমলে। ঐখোইগী লাইবক ফবমা লৈবাল অসিদদি কালেন্দা অমুক অনিরক্তং খোইদোক্লগা হেক্ত মরু হুজিন্দুনা চাবা ওরবা মহে ফংবা ঙমদি ; তৌইগুম্বসুং নুমিৎ অসি কুইনা লৈগদবা লৈতে। ঐখোইগী

লৌখম পুন্নমক অসি কুইনা নোংম নোংমগী চাথোক বাংলক্লে হায়রি; তৌইগুমন্নুং কয়ানা মাহু কোক্লবা লাক্লবা য়াওরবগে? জ্ঞান লৈতবা নত্রগা বাৎপতনা মাহুগী মরম্নি। ঐখোইগী মৈবাক্তসু পুসা হায়বা মফম অহুদা সরকার বাহাদুরনা লৌউবগী কলেজ অমা লিংখৎপিরে; মণিবু লাইরিক লাইশু নিংথিনা তম্বিরগা মফম অহুদা থাও— থবক অসিদা কয়া চাওখৎপগে, উবা ফংগনি।

চাউরেন— মাহুদি লায়রহুনা, ওজাখোইগী স্কুলদা থাবগী কাম্নবা অমতংদি লৈ; হৌজিক ঐখোয় মৈতৈমচাশিং অসি য়াম্না ফংলক্লে, স্কুলকাদবা অঙাং অয়াম্বনা অয়ুকচুপ্পা লম্বীদা ঢাকা থরা শায়, চরুপ থরা থক শিম্বা লৈতবগী হৌনবা কোয়হুনা তোকই। মণিসু মাহু তৌন্নিবনি; মাবু থবক অকনবা হেক শীজিন্নগদবসু পিকমল্লিবনিনা কদাই? লৌমী মচাগী হেক কাম্নবদি— লুপা শংবাগী হিসাব অহুক তৌবা, চিঠি অমা, দলিল অমা অহুক ইবা ওম্বা অসিতনি। অহুদগী হেনবদি লৌ উগদবা লৈরবদি মাঙনবনিমা। নংগী পুসাদা ফনা তম্মুদনসু অসিদদি করি কাম্নগদবনো, তৌনরগা হেক্লা খঙ্গদবনি।

ওজা— তাদহন, মহৈ তম্বদা মতম মাঙনবনি হায়বা অসি য়াম্না চুমদে। মহৈ তম্বনা জ্ঞান চাওখৎলি হায়বা অসিদি মমাংঙৈদনা হায়খ্রে; অহুগা জ্ঞান হায়বা অসিদি হিরম পুন্নমক্তা চংই হায়বা অহুসু তাদহন্না খঙলেদে। হিসাব অমা অহুক তৌবা, চিঠি ইবা পাবনচিংব নিত্তিগী তৌবা তান্নিবা অরায়বা হিরম পুন্নমক অসিদা লাইরিক লাইশু তম্বনা কয়া কাম্নবগে হায়বা অহু তাদহন্না হৌজিক্তা হায়রেদো। অহুগা লাইরিক লাইশু নিংথিনা তমলবদি মীগী পুকচেল অসি ধর্ম্মদা মায় ওনশিল্লি হায়বা থাজবিয়ু। জ্ঞান লৈতবা মীতনা, তৌবা য়াবা নত্রগা য়াদবা থবক্তি হায়বা খঙদহুনা মশাগী কাম্নবতা নত্রগা মুংঙাইনবতা তৌহুনা ধর্ম্ম নত্তবা চৎপনি। নিংথিনা তমহুনা থাজৈশেংবা জ্ঞান লৈরবা মী অহুদি ঈশ্বরগী অঙকপা থুৎশেম অমসুং মাহাক্কী মতিক মগুণগী রা খঙহুনা মাহাক্কী মফমদা ভক্তি পোকপা অসি মহৌশানি। অহুগা তাদহন্না খল্লি— মণিবু লাইরিক লাইশু তমহন্দ্রবসু মী অমা মরাইনা ওইজগনি। তৌইগুমন্নুং মাহাক করম্না মী অমা ওইরক্কনি হায়বদি খঙবিরবরা? তাদহন্না খল্লিবা অহুনা মী অমা ওইরবদি ফবুকরে, অদু নত্তহুনা মখোঙ অনি পানবা শা অমা ওইরবদি করম তৌগনি? তাদহন্না তৌবিরমলিবা পুন্নমক অরেম্বা তাগনি। মহৈমশিং নিংথিনা তম্বিহৌরবদি মাহুতদি খোক্লোই। অহুগা তাদহন-খোইনা মহৈমশিং তমহন্নুরগা করি থবক তৌরগদগে হায়হুনা চিংনরি— মাহুসু চিংনবিরুগানু— তৌফম থবক অহুদি মহৈগী মতুং ইনজবনি। তাদহনগী নচা মণি অসিনা মহৈমশিং নিংথিনা তমহুনা তরাগী মরক্তা শীংথানবতা য়াওসনু নত্রবসু মীমান্নবতা ওইসনু, থবক্তি মরাইনা মাগী মাগী মহৈ অহুগী মতুং ইনজরকনিএ, সরকারগী থবক তৌবা কংত্রহুনা মাঙলগনি হায়না খনবা অহু অরানবনি। মহৈ হায়বা অসি অমাঙ-অতা লৈত্রবা লম্নি হায়বা থাজবিয়ু।

চাউরেন— থংজয়ে ইবুঙেঙা। ননাই মনিবু হয়েংমক ফুলদা থাজরগে। ইবুঙেঙোনা তাকপিহুনা ঙসিদা থাঙ্গৈশংবা অ্যান তারে।

বাহং

১। অরায়বা লোন্দা অর্থ হায়যু:— মচিঙ্গাক, মচাজগ্গিবা, পাঠশালা, শঙেন-শনঙাক, নাতোল্ল, ব্রত কৎপা, কহামাঙ-খুজাইকায়, চাথোক, শিক্ষা অমসুং পুসা।

২। মহৈ তম্বনা করি কান্নবগে, শন্দোক্না তাকউ।

৩। ব্যাখা তৌ:— (ক) অতুগা লাইরিক লাইশু ... ... ধর্মদা মায়ওনশিল্লি।

(খ) তৌফম থবক অতুদি মহৈগী মতুং ইনজবনি।

(গ) মহৈ হায়বা ... ... — — লম্নি হায়বা থাজসিযু।

সার সৈয়দ আহম্মদ।

সার সৈয়দ আহম্মদ হায়বা অসি ভারতকী মুসলমান পুম্নমকী লেমজনফমনি। মহাক মশা অসিমক, মমানিংবা, লৈমন্নিংথোখঙবা, মরৈবাক অমসুং মাগী জাৎপু মুংশিবগী ৎঙলবা খুদমগী মশক্নি। মহাক খৃষ্টাব্দ ১৮১৭ শুবদা দিল্লী সহরদা পোকই।

সার সৈয়দ আহম্মদ অসি দিল্লীগী সরহ আমিনগী লোয়শংদা সেরিস্তাদ'র ওইহুনা থবক তৌবা হৌই; মতুংদা মাগী মশুগমক্তনা মরম ওইহুনা ফমথোন মথং মথং কাখি অমসুং বিজ্নাপুরগী সব জজ ওইখি। মতম অসিদা ভারত্তা "সিপাহী বিদ্রোহ" (সিপাইনা ল নহৌবা) থোকখি। মহাক্না বিজ্নাপুরদা লৈরম্বা পাথৈ লৈত্রবা ইংরেজী মুপী অঙাং পুম্নমকপু মুংশি হৈত্রবা লাম্নীশিংনা হাৎকদবগী কনখি। মাসিগীদমক শাউহুনা সিপাইশিংনা মাগী মথবাই হাৎকদবগী য়াম্না লাক্নখি। মমৈদা লান লোইরবদা গবর্ণমেন্টনা মাঙোন্দা মথলমথা অয়াম্বা মনা, মহাক অমসুং মচা অহন্দা থাগী লুপা ২০০, পেন্সন পীখি।

মতম অসিদা ভারতকী মুসলমানশিংগী অবস্থাদি য়াম্না তোল্লা লৈরম্মি। অ্যান লৈতরনা মাসিগী মরম্নি হায়না মহাক্না খনখি। মহাক্না খঙখি, মতম অতুগী মুসলমানশিং অতুদি মতম অসিগী মহৈ, বিজ্ঞান অমসুং সাহিত্যগী মরমদা করিমতা খঙলমদে; মরম অসিনা মহাক্না

মখোই অহুদা জ্ঞান পীননবগীদমক্তা থৌরাং তৌবা হৌরক্লে। মহাক্না মফম চাবা য়েংহুনা স্কুল লিংখৎলে।' অওইবমক মহাক্না মহাক্কী থবাই৹ হুকচাং৹ মরন মথুম পুন্নমক মুসলমান জাৎকী ফনবগীদমক্তা কখোকখি।

মহাক অসি অহানবদা ইংরাজী হৈরমদে; তৌইগুম্বসুং মহাক্কী চাংদম্নিঙাই লৈতবা উইন-কনবনা মমৈদদি ইংরাজীদা অফ অফবা লাইরিক লেংবা ফাওবা ওমখি অমসুং ইংরাজীদা "দিল্লীগী মাঙ্‌খিবগী মথাক" হায়বা লাইরিক অমু লেংহুনা এশিযাটিক সোসাইটিগী মেম্বর ওইখি। ইংরাজী শক ১৮৬৮ শুমদা মচানা বিলাতকী কেম্ব্রিজ বিশ্ববিদ্যালয়দা লাইরিক তম্বা চৎপদা মহাকসু মচাগা লোয়ননা বিলাত্তা চৎখি। মহাক্না চাওখৎলবা ইংরেজী জাৎকী লাইরিক তমফম স্কুল৹ কলেজনচিংবা অমু য়েংনিংলম্মি। গুণগী মর্য্যাদা হায়বা অসিদি মফম পুন্নমক্তনি বিলাতকী অচৌ-অচৌবা মী পুন্নমকা মহাকপু তবাম তবাম ওকখি অমসুং মতিবচাবা ইকাইখুম্নবা উৎখি।

মহাক্না ভাবক্তা হুল্লক্লগা ইংরেজী বিশ্ববিদ্যালযগী কলেজগুম্বা মুসলমানগী কলেজ অমা লিংখৎকে হায়বহুমা হোৎনবা হৌরক্লে। মহাক্কী থবক অসি যৈথায়নবগীদমক মুসলমান মৌলভিশিংনা য়াম্না লাকুখি। মবমদি৹ কোরান নত্তনা অতৈ তম্লিংঙাই অমা লৈতে হায়না মাখোইনা থাজরম্মী। মতম অসিগী বিজ্ঞান অসিদি মখোইনা য়াম্না তুক্তচরম্মি। মাখোইনা মাগী মথবাই ফাওবা হাৎকে তৌখি। তৌইগুম্বসুং সাব সৈযদ আহম্মদনা হুনবা তৌখিদে। মহাক্না চুম্মি, মাখোইনা লাল্লি৹ হায়বা অসি মহাক্না খঙলম্মি। অচুম্বা থবক্কীদমক মহৌশানা মাগী অকিবা থক লৈরমদে। মমৈদদি সার সেলাব জঙ্গ৹ হায়দাবাবাদকী নিজাম৹ বামপুরগী নবাবনচিংবা মুসলমানগী লুচিংবা পুন্নমক্না মাগী মতেং পাংবা হৌবক্লে৹ পাতিয়ালাগী মহারাজনচিংবা হিন্দু লুচিংবা পুন্নমকসু সাব সৈয়দ আহম্মদকী অফবা থবক অসিগী মতেং পাংখি। যুক্ত প্রদেশগী আলিগড় কৌবা মফমদা মহাক্না নিংজবা মতুংইন্না কলেজ অমা লিংখৎলে। মাসি হৌজিক 'আলিগড় কলেজ' হায়না ফাওরি। মাসি ভারতবর্ষগী মুসলমানগী কলেজ পুন্নমক্কী মকোক ওইববা অমসুং কান্নববা কলেজ অমনি হায়না খঙনরি।

খৃষ্টাব্দ ১৮৬৬ তা গবর্ণমেণ্টনা মী যাম্না তিনথ্রবা সভা অমদা মহাকপু মরেবাক্তা জ্ঞান অমসুং মহৈ শন্দোকপগীদমক থাগৎপা লাইরিক্তা লোযনবা তকমা পীখি৹ মতুংদসু মহাকপু ব্যবস্থাপক সভাগী মেম্বর থনখি অমসুং কে৹ সি৹ এস৹ আই৹ হায়বা মিংথোল অসি পীহুনা মহাক্কী মগুণগী ইকাইখুম্নবা উৎখি।

বাহং

১। শব্দার্থ হায়মু :— লেমজনকমনি, লুচিংবা, কলেজ, তকয়া, চাংদমনীংঙাই, মর্য্যাদা, লৈমনিংথৌ খঙবা।

২। মথাদা ইরিবশিং অসিগী মরমদা করি খঙবগে ?

আলিগড় কলেজ, ব্যবস্থাপক সভা, কে, সি, এস, আই, মৌলভি, কোরাণ, বিজ্ঞান, সার সেলার জজ, হায়দারাবাদকী নিজাম, বিশ্ববিদ্যালয়, এশিয়াটিক সোসাইটি, কেম্ব্রিজ বিশ্ববিদ্যালয়, সিপাই বিদ্রোহ, সবজজ অমসুং সেরিস্তাদার।

৩। সার সৈয়দ আহম্মদকী পুন্সিগী মরমদা করি খঙবগে ? মহাকী পুন্সিদগী করি তম্মকম লৈবগে ?

৪। ব্যাখা তৌ :— (ক) সার সৈয়দ আহম্মদ হায়বা .... খুদমগী মশক্কি।

(খ) গুণগী মর্যাদা .... পুন্নমক্তনি।

তৌগদবা থবক্তা মায়ওন্শিনবা।

চান্দণী হায়বী অসি চহি তরামাথোই শুরবা মুপী মচা অমনি। মহাক খুলগী পাঠশালা অমদা লাইব্রিক তম্মি। নোংমা মহাক্না মাজোম্বা কমলক্তুনা লাইব্রিক ঔরাইরম্মি। মুমিং অতুগী পারাদি ভিক্টোরিয়া মহারাণীগী মরমদনি। চান্দণীনা পাবা তারক্তুনা মমানা মুক্তা অমা পুক্তুনা মনাক্তা কমলরে অমসুং হায়রকই "ইবেম্মা, থরা লাউনা পাউ ; নংগী ওসিগী পারা অসিদি য়াম্না কান্নবা অমনি।"

চান্দণী— ইমা! লাইব্রিক্তা হায়রিবদি— মমানা নোংমা লাইব্রিক তম্মিরিদৈদা ঐখোইগী হৌজিক নিংথৌরেল ওইরিবা পঞ্চম জর্জ হায়বা অসিগী মবেলবোক ভিক্টোরিয়া মহারাণী হায়বী অত্তুনা হায়খি "ইমা লাইব্রিক ময়েকশিং অসি খঙ.লুক্তুনা করি কান্নগদগে ?" মাক্তুদা মমানা খুমখি "য়েংউ, ঐগী ইখুত্তা লৈরিবা জ্ঞানগী বানা থল্লবা লাইব্রিক অসি ঐদি ময়েক চংলবনিনা পাবা থোক্লে। নংসু ময়েক পুন্নমক অসি খঙ.লবদি মাসি পাবা থোক্কদবনি।" মাক্ত তাবদা ভিক্টোরিয়ানা খুমখি "অদু ওইরবদি ঐসু খঙ.নবা হোৎনরগে।" মহৌশাগী উইন কনবা অমসুং হোৎনবা তন্দবনা মহাক্না মুমিং থরদংগী মমুংদা ময়েক চংখি।

মমা— ভিক্টোরিয়া মহারাণীনা অদুপ চাউবা মহারাণী অমসুং অকবা মুপী ওইখ্রিবনু অত্তুনা নহদো ? মথা পাথৌ।

চান্দণী— মখাদা ইরিবদি— চহি তরানিথোই শুরবা ফাওবা মরিশুবা উইলিয়মনা শিরগা মহাক্না নিংথৌ ওইগদবনি হায়বা অসি ভিক্টোরিয়া খঙ্খিদে। মতম অসিদা নোংম্রা মহাকপু তম্বিব্রিবী ওজা অহুনা মাঙোন্দা মাসি হায়রবদা মাহাক ইঙক ঙকখি। অহুগা মাগী ওজা অহুনা অমুকস্তু হায়খি "য়েংউ, নিংথৌ ওইবা হায়বা অসিদি য়াম্না লুবা থবক্নি। অস্তুপ চাউবা লৈবাক অসিগী অফ-ফত্তবা পুন্নমক মাগী মথক্তা লৈরিবনি। নিংথৌগী পুন্সি হায়বা অসিদি তৌগদবা থবক্না থল্লবা অমনি।" মাহু তাবদা ভিক্টোরিয়ানা খুমখি।— "ঐস্তু তৌগদবা থবক্তা মায়ওনশিনগনি অমস্তুং অফবা মুপী অমা ওইনবা হোৎনগনি। অহু ওইরবদি অরুবা থবক অসি তৌবা ঙমগনি হায়না নিংই।" মাহু তাবদা ওজা অহুনা খুমখি "মানি, মাহুতনি। ফগে হোৎনরবদা ফত্তবা লৈতে, থবক্তা মায়ওনশিল্লবদা থবক্না পাঙ্দবা লৈতে।" ভিক্টোরিয়ানা মহাক্না য়াশকখিবা অহু মপুন্সি চুপ্পা ঙাক্নবা হোৎনখি অমস্তুং পাঙ্বস্তু ঙমখি। মহাক অসি মপুরোইবগী অফবা মুপী, মচাগী অফবা মমা, প্রজাগী অফবা মহারাণী ওইখি হায়বা থাঙ্গৎশেংবনি।

মমা— ফরে, চান্দণী। ভিক্টোরিয়াগী য়ারী অসি পারগা নং করি পাউতাক ফংলবগে?

চান্দণী— ঐখোইস্তু মহারাণী ভিক্টোরিয়াগুম্না ফনবা হোৎনগনি অমস্তুং থবক্তা মায়ওনশিন্নবা লাক্নগনি; অহু ওইরবদি ঐখোইস্তু অরু অরুবা থবক পাঙ্বা ঙমগনি।

মমা— মাহুমক্নি। অহুগা খঙ্উ— মহারাণী ভিক্টোরিয়াগী য়াদস্তু নত্তে; নখোইস্তু নোংমা শোয়দনা য়ুম অমগী মবেম্মা ওইররগদবনি। য়ুম অমা পুবা হায়বা অসিস্তু য়ুম্বান অফবা অনা ওইহনগে হায়রবদি ওখাকপা থবক নত্তে; মাসিস্তু তৌগদবা থবক্না থল্লবা অমনি। মুপানা অকনবা থবকমখৈ পুরবা অহুগা মুপীনা মকুপ মতা পুন্নমক মেল্লবতদা য়ুম অহু মথুল ফুল্লিবনি। মাসি অকনবা লানফম নত্রগা অরুবা নিংথৌগী থবক পুবমুক লুরিবনি। হৌজিক্তগী নখোইস্তু মাহু পুবা ঙম্নবা লাক্নগদবনি।

চান্দণী— অহুদা ইমা ঐখোইবুদি মুপীনা লাইরিক তম্মি হায়হুনা নোক্নৈ।

মমা— নোক্নসমু ইচা'সিদি, ঐখোইগী লৈবাক অসিদা মমাংঙৈদগী তৌনরক্নবহুদা মাহুগী কান্নবা খঙ্ত্রিহুনা তৌবনি। জ্ঞান হায়বা অসিদি মুপা মুপী অনিগীমক ফংবদা ফত্তবা লৈতে। জ্ঞান লৈরবতদা অফ-ফত্তা খঙ্বা ঙমলিবনি। মতম পুন্নমক্তা ঙসিগী পারা অসি কাউগনু— ফনবা হোৎনৌ অমস্তুং তৌগদবা থবক্তা মায়ওনশিল্লু।

হাহং

১। মহারাণী ভিক্টোরিয়াগী বারী অছু শম্না লীয়ু অমস্তুং মাচু তমলগা করি পাউতাক ফংবগে হায়য়ু।

২। ব্যাখ্যা তৌদুনা তাকউ :— (ক) মাসি অকনবা লানফম ···· ···· ···· পুবমুক লুন্নিবনি।
(খ) ফংগে হোৎনববদা ··· ···· ···· পাওদবা লৈতে।
(গ) মহাক অসি মপুরোইবগী ···· ···· ···· থাজৈশেংবনি।
(ঘ) জ্ঞান হায়বা অসিদি ···· ···· ···· ফত্তবা লৈতে।

ধাতুনা কান্নবা।

ললিত হায়বা অসি য়াম্না মরম ওকপা নিপা মচা অমনি। মহাক হাইস্কুল অমগী অনিশুবা শ্রেণীদা তমলি। নোংমা মহাক্না ময়াম্বা মাধবকী মমাক্তা ফমদুনা লাইরিক ওরাইরম্মি। মহাক্কী ময়াম্বা মাধবতি হাইস্কুলগী তরাশুবা শ্রেণীগী ছাত্রনি। মাধবনা মহাক্কী মুংথিলগী তৌগদবা অপুম্বা লোইরদুনা ললিতপু য়েংলদুনা হায়রকই "ললিত, লেখা ইবা লোইরবরা?"

ললিত— লোইজরে, তাদা

মাধব— অক্ক লোইনা তারবরা?

ললিত— লোইনা তারে।

মাধব— অদুদি নংগী সাহিত্যগী লাইরিক য়েংগে।

মাধবনা লাইরিক লৌরগা অমুক হংলকই "হয়েংদি করি পারানো?"

ললিত— হয়েংগী পারাদি— "ধাতুনা কান্নবা" হায়বা অসিনি; য়াম্না নুই তাদ, অমুক্তা নিংথিনা তাকপিয়ু।

মাধব— চুম্মি, য়াম্না নুবা অমস্তুং কান্নবা পারানি। লাইরিক ফাক্তি ঙৈদা ঐ নঙোন্দা হাহং খরদং হংগে, খুম্মু। অথোই অথোইবা ধাতু খরদংগী মমিং হায়য়ু য়েংসি।

ললিত— সনা, নুপা, য়োৎ, কোরী, মিশি, অসিনচিংবা।

মাধব— চুম্মি, মাথোই অসি নত্তবা নিকেল অমস্তুং এলুমিনাম কৌবা কান্নরবা ধাতু মখল অনি অমস্তু থোরক্নে। হৌজিক্তি অনা, সিকি অমস্তুং মথায়স্তু নিকেলনা শানরে, ঘড়িগী মথুমস্তু নিকেলনা শাবা য়াম্না উবা ফংগনি। অদুগা নংনা দোকান্দা চৎপা কান্দা এলুমিনামনা শাবা

পাত্রদু উবা ফংগনি। অসিদসু নত্তনা নংনা হয়েং চাউরগা প্লাটিনাম কৌবা ধাত অমগী বা তারকনি অমসুং উরকনি; মাহুদি সনামকুন্না তাভিও। ধাতু অসি য়াম্না য়াংই; মাসিনা হৌজিক এরোপ্লেনমচিংবা শানৈ।

ললিত— পিথ্রাই অমসুং শেঞ্জেংগী মাদি ঐদি কাউরহুনা হায়জহৌত্রে।

মাধব— হায়ত্রবসু ফে; মখোই অনি অহুদি মক ওইবা ধাতু নত্তে। কোরি অমসুং রাঙ, তিমরগা শেঞ্জেং ওই; অসুম্না কোরিগা দস্তাগা য়াম্নরগা পিথ্রাই ওইথ্রিবনি। তৌইগুম্বসুং মখোই অনি অসিসু কান্নবদি য়াম্না কান্নৈ; ঐখোইগী ইমুংগী পুখম, তেঙ্গোৎ, খুজাই, বালতি, শমুক, থাবৈনচিংবা কান্নরবা পোৎ পুন্নমক পিথ্রাই অমসুং শেঞ্জেংনা শাই হায়বা নহাকসু উবরিগনি। হৌজিক্তি হায়যু যেংসি, করম্বা ধাতুনা খ্বাইদগী তাঙবগে?

ললিত— সনা।

মাধব— সনানা ঐখোযগী করি কান্নবগে?

ললিত— সনানা লিক-কোম্নচিংবা লৈতেং শানৈ।

মাধব— চুম্মি, সনানা লিক, ঘড়িমরী, খুদোপনচিংবা ফজ-ফজবা লৈতেং শানৈ। অদুগা নং সনা মোহরগী বা তাববিগনি; বিলাতুদি মোহরগুম্না সনাগী শেনসু চৎনৈ।

ললিত— তাদা, সনা হায়বা অসি কদাইদা ফংলিবনো; অসুপ তাঙলিবনা কবিগীনো?

মাধব— সনা অমসুং মক ওইবা ধাতু পুন্নমক খোংদগী ফংবা ঙাক্তনি। খোংদগী যুকপা মতমদদি ধাতু পুন্নমক অসি লৈপাক, হুংবম্নচিংবা যান্নহুনা যাম্না মোৎলি; ভুংদা মৈ ইক্তুনা নত্রগা অতোপ্পা পান্থৈ অমা তৌহুনা শেংদোকপা ঙাক্তনি। অদুগা ধাতু পুন্নমক্তগী সনানা য়েংবদা যজবা হেল্লি; সনাগী ফজবা মচু অসি থক মাঙবা লৈতে, কোঙ্লিং কাবা নাইদে অমসুং ফংবদসু য়াম্না রায়; মরম অদুনা সনানা ধাতু পুন্নমক্তগী হেন্না তাঙ্ডি। অদুগা লুপাদি করি কান্নৈ, হায়যু।

ললিত— লুপানা শেল - লুপা, মখায, শিকিনচিংবা শানৈ; অদুগা লৈতেংসু শানৈ।

মাধব— চুম্মি— অদুগা ইনাকখুনবশিংনা লুপানা পুখম, তেঙ্গোৎ, খুজাই, গিলাস, হিদাকফু অসিনচিংবা শাহুনা শীজিন্নৈ। তৌইগুম্বসুং সনা লুপা লৈরমত্রবসু ঐখোইগী থোইনা মাঙবা লৈতে; লৈতেং তৌবদা ফজে হায়বতনি; খ্বাইদগী কান্নবা ধাতুদি করিনো, খঙব্রা?

ললিত— ঐখোইগী ওঝানা লহান হায়খি— য়োৎনা ধাতু পুন্নমক্তগী হেন্না কান্নৈ। য়োৎপাক, শীংজং, থাংজৌ, কাতি, লাঙ্গলগী য়োৎচীন, থাং অসিনচিংবা ঐখোইগী নিতিগী শীজিন্নরিবা পোৎ পুন্নমক য়োৎনা শাবা ঙাক্তনি।

মাধব— মানি, বায়থু, শো, কল জাং পুন্নমক, জাহাজ, রেলগাড়ী পুন্নমক য়োৎনা শাবা ঙাক্তনি। য়োত্তগী ইস্পাত থোকই; ইস্পাতনা অথোবা, কাতি, ছুরি, শমকোকথাং, কবাকথাং অমসুং কলম মটীন্নচিংবা শানৈ। তৌইগুম্বসুং য়োংকী অচৌবা দোষ অমা লৈ,— মাসি য়ান্না থুনা কোৎলিং কাগল্লি। অদুগা কোরিদি করি কান্নবগে?

ললিত— কোরিনা পৈশা, মতেক, পাইনচিংবা শেল শানৈ। কোরিগী পাত্র অচৌ অচৌবসু লৈবা উই। তাদা, মাখোই অদু কয়া শীজিন্নদবা করিননো?

মাধব— কোরিদা কাবা কোলিং অদুদি হুনি। অদুনা থোং-থারুবদা কোরিগী পাত্র কয়া শীজিন্নদমাল্লে হায়না নিংঙি। অদুগা কোরিদা ঈশিং শেংদোক্তবগী গুণ লৈসু হায়নৈ মরম অসিনা ঐখোই হিন্দুগী মমাংঙৈদগী কোরিনা জলপাত্র (ঈশিং হাপ্পবা পাত্র) শাবগী পথাপ চৎনরক্লিবা অসিনি। অদুগা মিশিদি করি কান্নে হায়যু?

ললিত— মিশিনা নোংমৈ মরু শানৈ হায়নৈ। অদুগা পেন্সিল অসিসু মিশিনা শাবমাল্লে; ঐনা মিশি মতুম অমনা চেগী মথক্তা চিংবদি মমি তাই।

মাধব— মাদুদি নত্তে। পেন্সিলদি গ্রাফাইট হায়বা মৈতালগুম্বা পোৎ জাৎ অমনা শাবনি। মিশিনা নোংমৈ মরু শানৈ; রসাগুন্নচিংবা য়ান্নগা মিশিনা ছাপাগী ময়েকসু শানৈ। অদুগা মীনা মমাংঙৈদগী ধাতু নিপান শুই হায়নৈ— নংনা হায়বদা সনাহিদাক, রাং অমসুং দস্তা অহুম চীথহৌরি। মাখোই অহুম অসিসু য়াম্না কান্নবা ধাতুনি। মিংশেলগী নাকল অমদা সনাহিদাক তৈরবদি অতোপ্পা নাকল অদুমদা শক য়েংবা উই; ঐখোইগী শকয়েং মিংশেল অসি অসুম তৌনা শান্নিবনি। অদুগা রাংগা কোরিগা তিন্নরগা শেঙ্গেং ওই হায়দুনা মমাংদনা হায়রে, অমসুং য়োৎ মপাক্তা রাং তৈরবদি য়েংবদা য়াম্না ফজে; মাদুনা উপু, উপু তুরংনচিংবা শানৈ। দস্তাসু য়াম্না কান্নরবা ধাতুনি— দস্তাগা কোরিগা য়ান্নরগা পিথ্রাই ওই হায়দুনা ঐনা মমাংদনা হায়রে। মীনা য়োৎ মপাক্তা দস্তা তৈদুনা বালতি, য়ুম্ কুপ্পনবা জিঙ্কনচিংবা শানৈ।

হান্নগী ধাতু নিপাল অসিগী মথক্তা, নিকেল এলুমিনাম অমসুং প্লাটিনম কৌবা ধাতু অনৌবা অহুম অমসু পুথোক্লে হায়দুনা ঐনা হায়রে; মাখোইনা কান্নবসু নংনা থঙরে। মরম অদুনা নং হৌজিক্তি খুন্দা ঙমলগনি— ধাতুনা করি কান্নবগে?

বাহং

১। শুপ্পা ধাতু কয়া শুই হায়না নিংবগে? শম্না মাখোই খুদিং মক্কী কান্নবা তাকউ।

২। পিথ্রাই অমসুং শেঙ্গেং হায়বা অসি করম্বা ধাতুনো? মাখোইনা করি কান্নবগে?

৩। করম্বা ধাতুনা খাইদগী হেন্না কান্নে হায়না নিংবগে? করিননো? অমসুং করম্বা ধাতুনা খাইদগী তাঙবগে?

৪। মথাদা ইরিবশিং অসিগী মরমদা করি থঙবগে?
এরোপ্লেন, নোংমৈ মরু, রসাগুল, শকয়েং মিংশেল, জিঙ্ক

ঐখোইগী লৈবাক।

ঐখোইনা লৈরিবা লৈবাক অসিগী মমিং মণিপুর কৌই। মৈতৈ জাৎনা লৈ হায়তুনা মাসিবু মৈতৈ-লৈবাক হায়নসু কৌনৈ। মাসি ভারতবর্ষগী চিংখৈ পাংবা চিথেক্তনি। মাসিগী অবাংদা নাগা পাহাড় জিলা, নোংপোক্তা ব্রহ্মদেশ (অবা লৈবাক), খা থংবদা ব্রহ্মদেশ অমসুং লুসাই চীং, নোংচুপ্তা কাছাড় জিলা (ময়াং লৈবাক লৈ!

মণিপুর লৈবাক অসি মাইকৈ মরিমক্তা চীংনা পুমকোয় কোয়শিল্লি। চীং পুন্নমক অহুদা ঙাগৈ, তাংখুল, কবুই, খোংজাইনচিংবা চীংদা লৈবা জাৎনা তাই। মরম অসিনা মমাংঙৈদগী হৌনা মপানগী য়েক্লবনা ইরায়-লায়না চংবা ঙমদে হায়তুনা মীতৈ ইশৈদা লৈবাক অসিগী গুণবু অসুম্না থানৈ— "চীংনা কোয়না পনশাবা, হাওনা কোয়না পনঙাকপা।" চীং পুন্নমক অসিগী মরক্তা লৈতেম মান্নবা তম্পাক লৈ; মাহু অশংবা মহৈ মরোংগী পাম্বীনা কুপশিন্দুনা য়াহৈনা হায়বা খোক্তবমখৈ নিংথিজহল্লি। অপিক অপিকপা তুরেল কয়ানা মফম চানা চানা খোয়না খোয়না চেন্দুনা লৈপাক্কী লৈহাও চাওখৎহল্লি। তম্পাক অমসুং চীং-মাল পুন্নমক অসি অহাওবা উহৈগী পাম্বী অমসুং নিংথিজবা লৈপান্না লৈতেংলি। উফৈথক্তা তোংহুনা, অয়াম্বা তমগী অমসুং চীংগী উচেক্তা অহিং নুংথিল নাইদনা খোংলি। অওইবমক মণিপুরগী নিংথিজবা অসি পাম্দম্লিঙাই লৈতে।

তম্পাক্কী মরক মরক্তা অচৌবা অমসুং অপিকপা চীং য়াম্না লৈ। অহুগা মরক মরক্তা ঈশিং থুম্বা লমজাউ অমসুং পাৎসু য়াম্না লৈ; মাহুগী মরক্তা লোক্তাক্তা খুইদগী হেন্না চাউই। মাসি ময়ুংদা মাইল কুল্লোম শাংই অমসুং মরাক্তা মাইল তরানিথোইরোম পাকই। য়ায়খৌ পাৎসু ঙাগীদমক মণিপুরগী মহুংদা মমিং চৎলি।

লৈবাক অসিদা মীতৈ জাৎনা নম্না তাই; অসি নত্তবা মৈতৈ মুসলমানসু য়াম্না লৈ। মাখোই অসিগী লোনবু মীতৈলোন নত্রগা মণিপুরী হায়না খঙনৈ। মাখোই অসিদা নত্তনা বাঙালী, হিন্দুস্থানী, নেপালী, মারবারী অসিনচিংবা জাৎ অতৈ অতৈ অমসুং খোংজাই, তাংখুল, কবুই, ঙাগৈ, মরিং, অনাল, লুসৈ, চোথে অমসুং কোম অসিনচিংবা চীংদা তাবা জাৎ অতৈ অতৈসু মণিপুরগী তম্পাক অমসুং চীংগী মফম খুদিংদা লৈ। শুপ্না মীশীং লাক্ষ মঙারোম ওইগনি।

অথোক্পা পোৎ অমসুং মথুৎমশা হৈবা— মণিপুরদা মরু ওইনা থোকপা পোত্তি ফৌনি। মাসি মহৌশানা চাবদগী লেমহুনা মীরৈবাক্তসু চালান তৌই (থায়)। মাসি নত্তবা মথলমথা অয়াম্বা মনা-মশীং, ইনশাং, উহৈ চাবা ওক্লবা থোকই। হবাই (মঙ্গল অমসুং খেসারী নত্তনা) অসিদি হৌজিক ঐখোইগী লৈবাক্তা থোকপনা ওক্তহুনা মীরৈবাক্তগী য়াম্না পুরক্লে। খোবালনচিংবা

মকমদা চুদগী চুহী লৌরগা মাহুনা চিনি অঙাংবা অমসুং অঙৌবা শেম্মি। মাহু "থৌবাল চিনি" হায়হুনা আসামগী মকম অতে অতৈদসু থরা থরা মম্মিং তানরক্লে। শুগ্ন্‌, পুখাউ অসিনচিংবা মকমদা অমসুং চীংমান্দা য়ুমকৈ শানবা অফ-অফবা উ অমসুং মকম মকম খুদিংদা য়া, ই, লী অসিনচিংবা মরাং কায়না ফংই শীংখোং নিংঙেন্নচিংবদা থুমগোংদগী থুম শুংই। মমাংঙৈদদি মাসিনসু লৈবাক্কী চাবা ওরুম্মি। চীংদা লশিং, খোইরু, খোইহীনচিংবা ফংই।

মীতৈনা লশিংদগী লং নাইহুনা মাহুনা ঙৌবোং, মেক্ষফিদা, ফুরিং ফি, কোয়েং, ফিদরুচিংবা শাই অমসুং মীরৈবাক্কসু মাখোই অহু য়াম্না পাম্না তৌনৈ। অওইবমক মীতৈ লৈবাক্কগী মীরৈবাক্কা চংখিবা পোত্তি চেং অমসুং ফিনা মরুনি। অসি নত্তবা শগোল, খোইরু, খোইহী, শজিমচি, শামুময়া অমসুং শউরচিংবসু থরা থরা মীরৈবাক্কা চংখি। অফ-অফবা ফি, অয়াম্বা কোল, মিংশেল, লিক্লি, কেরোসিন থাউনচিংবা ঐখোইগী নিত্তিগী শীজিন্নরিবা পোৎ অয়াম্বা মীরৈবাক্কগী লাকপা ঙাক্কনি।

শগোল কাংজে হায়বা অসি মৈতৈনা হৌদোকখিবা ফাওরবা মশাম্না অমনি। মৈতৈগী শগোল কাংজে অমসুং রাস অসি মীরৈবাক্কা য়াম্না থাগৎনৈ।

রায়েনবগী পথাপ— মণিপুরদা রায়েনশং অহুম লৈ, মাহুদি— পঞ্চায়েৎ, চৈরাপ অমসুং দরবার। পঞ্চায়দা অরায় অরায়বা দেওয়ানী (লুপা শংবাগী থৎনবগী) বিচার তৌই। পঞ্চায়গী বিচারদা য়ানিংদ্রগা চৈরাপ্তা অপীল তৌবা য়াই। চৈরাপ্তা ফৌজদারী হায়বদি হাৎনশুনবনচিংবগী বিচারসু তৌই। চৈরাপকী বিচারগী মথক্তা দরবারদা অপীল তৌবা য়াই। দরবারনা মণিপুরদা খ্বাইদগী চাউবা রায়েনশংনি; মসিনা লৈবাক ঙাকপগী থবকসু পুরি। দরবারগী অঙম্বা খুদিংনা মহৈ তম্বা, লাঈয়েংবা অসিনচিংবা থবক খুদিংদা মিৎয়েং চংবিরি।

মাখোইগী মথাদা ডিপুটি ইনস্পেক্টর অমনা মহৈ তম্বা চাওথৎনবগী হিরমদা মিৎয়েং চংলি। সিভিল সার্জন অমনা লাঈয়েংবগী হিরমগী মকোকনি। দরবারগী পুলিস মেম্বরগী মথাদা পুলিস ইনস্পেক্টর (দারোগা বাবু) কনষ্টেবলনচিংবনা লৈবাক্কী হরান চিম্বী ঙাক্লবগী লাক্লহুনা লৈরি। পি, ডব্লিউ অফিসার (ইঞ্জিনিয়ার সাহেব) অমনা লৈবাক্কী লম্বী থোংনচিংবা শেম্বগী হিরমদা মিৎয়েং চংহুনা লৈরি।

পুম্নমক অসিগী মথক্তা শ্রীযুক্ত মণিপুরেশ্বর মহারাজনা রায়েল থৌদাবগী থবক পুবিহুনা লৈরিবনি। বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা শীরকপা পলিটিকেল এজেন্ট (বড় সাহেব) অমনা শ্রীযুক্ত মহারাজগী তেংবাংবা ওইহুনা লৈরি। ঐখোইনা অসুপ নিংখিনা ইহৈ তম্বগী খুদোংচাবা ফংলিবা মমল তিংদনা অনাবগী লাঈয়েংবা ফংলিবা অমদি ইচাক ইমল পুম্নমক ঙাক্কনা থম্না তুশিন্না অহিং তুম্বা

কংজরিবা অসি কনাগী থৌজায়নো খঙ্ত্রা ? ঐখোইগী থৌজাল হৈরবা মহারাজ ইবুংঙোগী থৌজাল অমসুং খুজিয়নি। মরম অসিনা নখোইনা নিংথৌ অমসুং নিংথৌগী থবক তৌবশিংগী মফমদা ভক্তি থক কায়গনু। ঐখোইনা পুক্নিং হকচাং লোয়ননা তৌবিমল খঙবা উত্নো মতম পুক্নমক্তা শোনসি—

জয় মণিপুরেশ্বর মহারাজ
শ্রীল শ্রী ১০৮ যুক্ত সার চুড়চন্দ্রসিংহ,
কে, সি, এস, আই, সি, বি, ঈ।

বাহং

১। মণিপুরগী ঙমখৈ হায়য়ু। মাসিদা করম করম্বা জাং লৈবগে ? অমসুং শুপ্পা মীশিং কয়া শুবগে ?

২; নংনা খঙবা মণিপুরগী চীং মরিদংগী মমিং হায়য়ু। করম্বা পাৎনা খাইদগী হেন্না চাউবগে ? অথঙবা পাৎ মরিদংগী মমিং হায়য়ু।

৩। মণিপুরদা করি করি পোৎ থোকপগে শন্দোক্না হায়য়ু।

৪। মণিপুর লৈবাকী রায়েলবগী পথাপ হায়য়ু।

অঙাংনা তেংথাবা।

কৌবিয়ু ইমা, ঐগী ইচে
ইতোমদা শারবা ঙম্মোই।
লহান্দগী করিগী ইমা
ইচেযু অমুক কৌব্রে।
ঐম্মা কৌরগা করিগী ইমা
ফিজিনা মায়থোং কুপ্পা ?
চারমদাইদা চাকশংদগী
ইচেনা ঐবু কৌব্রে।
হায়য়ু ইমা ইচেদি কদাই
কদৌঙৈ লাকে হায়বা ?

ইমাগী পীবা, কবোক খোইবাক
ঐদি য়োনগে তৌরি ॥
নহাগী থিরে কাচিন্দা পৈরে
ওরুবা চেগাইগী পৈশা ॥
হায়রু ইমা, ইচেদি কদাই
কবোক লৈগে লাক্নে ॥
লাইখি জগোই, শাগ্নসি হায়না
ইচেনা নহাল হৌখি ।
উপুথক্তা লুবাক ঙাক্তা
তাত্থনা লৈরে অসে ॥
কৌবিয়ু ইমা, ঐগী ইচে
ইতোমদা শান্নবা ঙম্মোই ॥
থাবগী ঙাল্লে, শুমাংদা চেনগে
ইচেগা তন্দন কাবা ।
ফমুংথক্তা অবোক্না লীবা
চাকঙাই রারী তাগে ॥
ঐসু তুমখি, ইচেসু লৈতা
ইমানা করম তৌবা ?
ইমানা থোংবা, তন্না লুকোই,
ইতোমদা চাবা পামদে ॥
কৌবিরু ইমা ইচে অদো
থরায় থোজাল লাগ্না ॥
নপুক্তা লোইরে লাইরিক তম্বা
শাগ্নমিগ্নয়ো হায়না ।
পারি ইবুংঙো মুংশিবা ।
নচেগী মবা পল্লসু ।
কমুংথক্তা মুংঙাইনা তুম্মো
নচেবু নিংশিং নিংশিংত্থনা ॥
নংনা নচেবু, নিংবা উগ্নগা
ইগ্নাগী কাবা কোক্লে ।

ইমানা কনা কোক্লই হায়রতুনা
লাক্লরোই নচেদি হন্না।
ওলাংথাগী লৈরাং মানবা
নচেগী নিংথিবা মায়থোং।
নংগী ঐগী মীৎ অসিনা
ফংলরোই অমুক উবা।
পোম্বিডৈনা চীকথৎতুনা
কেনখ্রে লৈমায়থক্তা।
ফমুংথক্তা মুংঙাইনা তুম্মো
পল্লসু নচেগী রাদো।

বাহৈং

১। শৈরেং অসিগী ভাবার্থ অবায়বা লোন্দা হায়য়ু।
২। শব্দোক্তা ব্যাখ্যা তৌ— (ক) নংনা নচেবু ······ রাবা কোক্লে।
(খ) পোম্বিডৈনা ······ লৈমায়থক্তা।
৩। শব্দার্থ হায়য়ু :— পারি, লৈমায়থক্তা, ফিজি, ওলাংথাগী লৈরাং।
৪। লৈরেং অপুম্বা অসি গদ্য তৌদুনা হায়য়ু অমসুং মাসি ভমলগা করি পাউতাক ফংবগে হায়য়ু।

উইন কনবা

(রবার্টব্রুশ অমসুং মি অমগী বারী)

করিগুম্বা থবক অমা তৌবদা মাতুনা হেক লোইত্রিবা ফাওবা পুক্নিং চংনা হন্না হন্না হোৎনবা অমুবু উইন কনবা কৌই। উইন কনবা য়াওদ্রবদি করিগুম্বা অরুবা থবক অমতা নিংথিনা পাঙ্‌বা ঙমদে। ঐখোইনা ইতত্তৃনা উবা ফভিঙ— মী অয়াম্বনা করিগুম্বা থবক তৌবদা থরদং তৌরগা মুংঙাইরকতুনা নত্রগা ভম্মরোইদবনি হায়না নিংতুনা থবক অমু থাদোকই অমসুং অতোপ্পা থবক অমা অমুক পায়। অতুমসু অতুম্না থাদোকই ; অসুম তৌরবদি থবক্তা কদৌডৈদসু নিংথিনা পাঙ্‌বা লৈতে। মরম অসিনা করিগুম্বা থবক অমা তৌগে হায়না হেক নিংলকপদা ঐখোইনা মন্দুনা য়েংগদবদি— "থবক অমু থাদৈশেংবমক ঐখোইনা তৌবনা চুমত্রা?" অচুম্বনি হায়না

থন্দুনা তৌবা হৌগৎলবদি মাহ্নু লোইত্রিবা কাওবা হোৎনবনা চুম্মি, অহানবা অমুক অনিরক হেক শোয়বদা কদৌওঁদস্নু থাদোকপা চুমদে। অহানবদা তৌওমদবনি হায়না নিংনবা থবক অহু উইন কনবা মীনা লায়না লায়না পাঙ,থোকপা অসিগী থুদম তাইবংপানবদা থোইনা তাঙ,বা নত্তে। নথোইদা ওসি রবার্টক্রুশ অমস্নুং মিগী হারী অমা লীগে তাও।

স্কটলণ্ড হায়বা লৈবাক অহুগী নিংথৌ ববার্টব্রুস হাযবা অহু লানকম অমদা মথং মথং তরুক্লক মায়থীবা ফংলমই। পাইে লৈব্রহুনা মহাক্লা কনাগুম্বা লাযরবা অমগী মযুমদা লোৎলমই। মহাক্লা য়ুম অহুগী অমম্বা অমস্নুং অচীকপা কা মচা অমদা ফমহুনা য়াম্না নিংবা কায়বগা লোয়ননা মহাক্কী মরাইবক থীবগী মরমদা য়াথল তৌরমই। অমস্নুং ওম্মরোইদবনি হাযনা থন্দুনা থবক অহু থাদোক্লসিরা থনখিরম্মি। মতম অহুদা নিংথৌ রবার্ট ব্রুসনা উরে—মি অমনা মাগী লাং শানবগীদমক কাচিন অমদা মরী অমা তিংহুনা চোংথবক্লে; ম্রি অহুনা অমুক কাথৎনবগীদমক হোৎনরকই—অহানবা হোৎনৈ৹ ওমদ্রে। অনিরক হোৎনরে৹ ওমদ্রে। মথং মথং অহুমলক. মবিবব, মঙারক৹ তরুকলক শুনা হোৎনরে৹ ওমদ্রে। নিংথৌ ববর্টকসনা মি অহুগা মহাক মশামক্কা পান্দমহুনা থনবা হৌবকই অমস্নুং মিৎযেং অমতা ওইনা মি অহুদা য়েংলকই। তরেৎলকশুবদা মি অহু উচিন্নাচিন্না মথক্কা কাথৎপা ওমগ্রে। অহুম্না মতম থরগী মযুংদা অমুক কাথৎ৹ অমুক কুমথা, অমুক কাতু কারল চৎ তৌহুনা ফজরবা লাং অমা শাবা লোইরে। মাহু উবদা ববাটব্‌স৹। মুংশা মপী হোন্দুনা তোল্লবা জীব অহুগা মহাক্কা পান্দমহুনা থল্লকই "মি অসিগা ঐগা ওম্বোক্লা মান্নৱেদা। মি অসিস্নু তরুকলক হুম্না হোৎনবদা ওমদ্রে; তরেৎশুবদা মাদি মানা নিংবা থুংগ্রে; ঐস্নু তরুকলক ওমদ্রে; মি অসিগুম্না নিংথিনা পুক্নিং চংনা হোৎনরবদি ঐস্নু তরেৎলকশুবদা করিগী ওম্মোইদগে?" অসি থল্লহুনা মহারা থীন্দনা লাম্মী থোম্বা হৌরক্লে অমস্নুং নৌহৌনা হৈনিংবগা লোয়ননা লাঞ্জংহুনা তরেৎলকশুবদা মায়পাকপা ওমখি।

ৱাহং

১। অরায়বা লোন্দা অর্থ হায়যু:— মায়পাকপা৹ নৌহৌনা৹ উইন কনবা, হৈনিংবা, পাঙথোকপা, লাঞ্জংহুনা।

২। রবর্টব্রুস অমস্নুং মিগী বারী শন্না হায়যু অমস্নুং মাহু তমলগা করি পাউতাক ফংবগে?

৩। উইন কনবা কদায়বু কৌবগে? মাহুনা করি কান্নবগে?

৪। ব্যাখ্যা তৌ— অহানবদা তৌওমদবনি .... থোইনা তাঙবা নত্তে।

মীগী মপাল তাংদবা তম্বা

মী পুম্নমক মশা মশাবু থাজবা হৌনৈ। মশাবু থাজদনা মীগোল্লদা ইহোকপা মীনা কদৌঙৈদম্থ চাওখৎপা ঙম্বা হৌনদে। মশাবু থাজবনা মীওইবগী লমচৎপু চেৎহল্লি। মশানা মশাগী মতেং পাংজবা মী অত্থুদি, ঈশ্বরনস্থু মহাক্কী মতেং পাংবি হায়বা ইংরেজী পাউরৌ অসি ইশোয় শোয়দবনি। নখোইগী লাইরিক তম্বদস্থ অত্থু মঙায়। খল্লু ঙসি ওজানা নখোইদা অঙ্ক অমা তৌনবা পীবিরে, অঙ্ক অত্থুনা খরদং হেক তৌবা মুঙাইতবদা অঙাং খরনা খঙত্রে হায়ত্থুনা ওজাদা হংলে নত্রগা মাগা তম্মিন্নরিবা খরা ফবা ছাত্র অমগী বইদা য়েংলে। মাখোইদা ওজানা মাখোইনা তৌবদা মতিক চাবা অঙ্ক পীরিবনি অমস্থুং মশানা খরদং কন্না হোৎনরবদি ঙক্ষবনি হায়বা অসি মাখোইনা খঙদে অমস্থুং থাজদে। তৌইগুম্বস্থুং মীগী মপান তাংবা পামদবা অঙাংশিং অত্থুদি মমাম্নবা অঙাং অমনা মাঙোন্দগী হেন্না শিংলমগনি হায়বা মাখোইনা থাজদে; অঙ্ক অত্থু খরা লুই হায়না খল্লবস্থ মাখোইনা ওজা ইবুংঙোদা পাক হংবা তৌদে; মরমদি মহাক্না ঙম্মোই হায়বা অসি থাজদে নত্রগা হায়গদবা ইকাই অস্থুন্না মশা মতোমদনা কুইনা নৈনরবা মতুংদা মাখোইগী বুদ্ধিনা লাম্বা ফংত্রত্থুনা ঙমদ্রে হায়না খল্লু; মতম অত্থুদা কনাগুম্বা অঙম্বা অমনা মতেং খজিক্তুং হেক পাংবিরকপদা তাকপা লোইত্রিঙৈদা মাখোইনা খঙবনা হাল্লি অমস্থুং মাত্থু থম্মোইদা কুইনা য়েক্তুনা লৈ, অমস্থুং মত্থুগা লোয়ন লোয়ননা মবুদ্ধিস্থ চাওখৎপা হেল্লি। অত্থুগা অরুবা হিরম অমা কুইনা হোৎনরুরগা হেক খঙলক্লবদি লানফমদা মায়পাক্লবা সেনাপতিগী মতৌগুম্না পুক্নিংদা ওইথোক্তবা মুংঙাইবা অমা ফাওবা অসি মহৌশানি। অওইবমক মশাবু মশানা থাজত্রবদি তেংবানবদা চাওখৎফম লৈতে।

নখোই একলব্যগী ৱারী তারবরা? নখোই মহাভারত তাবা চৎলবদি তাবা ফংগনি— দ্রোণগুরুনা যুধিষ্ঠির দুর্যোধননচিংবা মচিন-মনাও চাম-মঙাবু খুৎলাই তম্বিখি। নোংমদি একলব্য কৌবা শাদানবা মচা অমনা দ্রোণগী মফমদা খুৎলাই তমজগে হায়ত্থুনা লাকখি। তৌইগুম্বস্থুং মহাক্কি অতোনবা শাগৈদা পোকপনি হায়ত্থুনা দ্রোণনা মহাকপু খুৎলাই তম্বিয়ু হায়বা য়াখিদে। মশাবু থাজরবা একলব্যনা মাত্থুদা নিংবা কায়বা ঙৌদনা বন্দা চৎত্রে। অমস্থুং মাত্থুদা ওজা দ্রোণগী মূর্ত্তি অমা শাল্লগা মাত্থু মমাংদা থমত্থুনা খুৎলাই ঔরাইবা হৌরক্লে। নোংমদি দ্রোণাচার্য্যনা অর্জুনচিংবা শিষ্য পুম্নমক্কা লোয়ননা বন্দা শা তানবা চৎলম্মি। মাখোইগা লোয়ননা হুই অমস্থ চৎলম্মি। হুই অত্থুনা উকু শেৎ জটা পুত্থুনা লৈরিবা একলব্যাবু উত্থুনা য়াম্না খোংলকই। হুইনা খোংবা অত্থুদা মানা নিংবা কায়ররগনি হায়না খন্দুনা একলব্যন তেন ত্তরেৎতং কাপ্পনা হুই অত্থুগী ময়া অত্থু কবাক খঙ্গিন্দুনা মহাকপু অমুক খোংবা ঙমহন্দ্রে। হুই অত্থুনা অস্থুম তৌত্থুনা মাখোইগী মফমদা হল্লকপা উত্থুনা মাখোই পুম্নমক অমুক্তা ওইনা পুমঙক ঙকত্রে; মাত্থুদি অর্জুনমকস্থ

হৈত্রিবা মহৈনি। শাদানবা মচা অসিনা মহৈদা অসি য়েনা চাওখৎপ্রবা অসিগী মরম করিনো, নখোই খঙব্রা? মশাবু থাজবা অমসুং তৌগদবা থবক্তা পুক্নিং চংবা অসিনা মহাকী চাওখৎপগী মরু ওইবা মরমনি। অওইবমক মীগী মপাল তাংবা পাম্বা, মশাবু থাজবা মী অহুমদি কদৌঙৈদসু চাওখৎপগী খুজম ফংবা ঙমদে।

হাহৎ

১। অরায়বা লোন্দা অর্থ হায়য়ু—পাব, নৈনরবা, গুন্দবনি, সেনাপতি, শাদানবা, শিষ্য, জটা, ঈশ্বোরুপা, ওইথোক্তবা, বুদ্ধিনা লাম্বা ফংদবা।

২। একলব্যগী ৱারী লীউ অমসুং মাহু তমলগা করি পাউতাক ফংবগে?

৩। ব্যাখ্যা তৌ— (ক) মশাবু থাজদনা মীঙোন্তদা .... পাউরো অসি ঈশোরা শোয়রবনি।

(খ) অহুগা অরুবা থবক অমা ....ফাওবা অসি মহৌশানি........ চাওখৎকম নৈতে।

৪। মহাভারত হায়বা অসি করিনো? মাহুগী ৱারী শম্না লীউ য়েংসি।

মপা মমা অমসুং ওঝা।

ইমা ইপাগা মাম্নবা, কনা নৈ তেংবানবদা?
মাখোইগুম্না নংবু চানবা, অতৈ কনা নৈবা?
নাররুবা মতমদা, মমায় মায়খোং মরু,
কনানা তৌবিবা সেবা, অহিং মুংখিল চুপ্না?
নংগী নাবা ফত্রিমখৈ, ননাক্তা শঙহুনা,
চাকম থককম খঙদনা, অহিং মিশেং থাংবা?
নংনা চাবা উরগা, নমান্না কয়া পেনবা?
নহৈ নিংখিনা তমলগা, নপানা কয়া চানবা?
হায়রিবসিনি অঙাংশা! পুক্নিংচংনা তাও।
নমা নপাগী ময়াথং, মতম পুম্বদা ইল্লো।
অহুগা মাগী থৌজান্না, অপঙবা কোক্তুনা,
মমলবা পুক্নিংদা, জ্ঞানগী থাউমৈ থানথিবা,
ইপামক্তি থন্দুনা, মাবু ভক্তি তৌগনি।
মতম নৈবা খিবিক্তা, মাবু নুনা নিংগনি।

ৱাহং

১। শৈরেং অসি অরায়বা মৈতৈলোনগী ৱারেংদা ওন্থোকউ।
২। "মমা মপা অমম্বুং ওঝা" হায়বা শৈরেং অসিগী মরু ওইবা ভাব হায়য়ু।
৩। ঝ্যাখা তৌ— অত্থুগা মাপী থৌজান্না .... থাউমৈ থানবিবা.
৪। অরায়বা লোন্দা হায়য়ু—মিৎশেংখাংবা, জ্ঞানগী থাউমৈ, ভক্তি।

নোম্বা।

নোম্বা হায়বা অসি চাওখৎপগী মরুনি। অতনবা মীনা করিগুম্বা থবক অমতা নিংথিনা পাঙ.বা ওমদে। নোম্ববু নোমজ্রবদি মীওইবনা কদৌঙৈদসু হৌজিকী চাওখৎপা খুভম অসি য়ৌবা ঙমলম্মোইদবনি। ভাইবংপানবগী হৌজিক কালগী চাওখৎলবা লৌশিং, বিজ্ঞান, মখুৎমশা হৈবগী থবক্লুচিংবা পুন্নমক অসি মীওইবনা চহি চাম্না চামা নোমজরকপগী মহৈনি। থল্লু, নংনা চাম্রিবা চাক অত্থু করম তৌত্থুনা ফংলিবনো? লৌউবা কয়ানা নোংজুম্নুংশা থাক্তনা লৌ খোইত্থুনা, মরু জুন্দুনা খাওত্থুনা য়ৈত্তুনা কয়া কম্না নোম্বা তাথ্রিবা? অত্থুম তৌত্থুনা লৌউবা মীনা নোমত্থুনা ঐথোইদা ফৌ পীনরে; নং অত্থুমক্তদসু ফৌ অত্থু চাবা য়ারিব্রা? নংবু পোকপা নমানা, নচেনা ফৌ অত্থু জুত্থুনা, থপ্তনা, থৈত্থুনা চেং ওইনবা কয়া কম্না নোমথ্রিবা থল্লু। অত্থুদগী চেং অত্থুনা চাবা য়ানবা চাক থোংবদা শীং চনবা থোংবনচিংবা কয়া কম্না নোম্বা তাম্রিবা য়েংউ। অত্থুগা নংনা শেংজি চারিবা ফি অত্থু ফংনবা হোৎনবদা লশিং থাবদগী লং নাইবা, ফি শাবা ফাওবনা কয়া নোম্বা তারিবগে হায়বা অত্থু থরদং থল্লগা হেক্তা থঙবা ওমগনি। অম্নুম্না নথুক্তা পায়রিবা নংনা তমলিবা লাইরিক অত্থুমা পুথোকপদসু চে শাবা, লাইরিক লেংবা, ছাপাগী বল শাবা অমম্বুং নম্বনচিংবদা মী কয়ানা মতম কয়া নোম্বা তাথ্রিবা থল্লুদো। অম্নুম্না হিরম পুন্নমক খন্দুনা য়েংউ— চাউথৎনবগী অথোইবা পান্নে হায়ববু নোম্বতনি। নথোইনা হৌজিক কম্না নোমত্থুনা নহৈনশিং কম্না তমলবদি তুংদা শোয়দনা ফুংঙাইবা ফংগনি। তম্দুনা অম্রম্বদা মতম লেল্লবদি নহৈনশিং হৈবসু ওম্মোই অত্থুগা তুংদসু শোয়দনা অরাবা ফংগনি। অতনবা মীগী লাকদৌরিবা মতমদি থাঙ্গৈশেংবমক অমম্বনি। নথোইদা ৱারী অমা লীগে তাও— হম্নুবা নিপা অমগী তল্লবা মচা অত্থুমথক লৈরম্মি। নিপা অত্থুনা শিরমদাইদা মথল্লাই য়াম্না ৱানা মচা নিপা অত্থুম অত্থুবু কৌরত্থুনা হায়রকই—"ইচাশা! ঐনা নথোইগী করি অমতা থশ্বিরম্বা ওমজ্রে। ঐনা নথোইগীদমক থশ্বিরম্বা লন্দি অৱাংগী লম মচেৎ অসিদা লৈরে।" অসি হায়ত্থুনা হম্নুবা অত্থু ঈশ্বরগী নাম শোল্ল শোল্লত্থুনা মথল্লাই পাথরে। মপানা শিথ্রবদা মচা অত্থুম অত্থুনা লম অত্থু ওম্বমথৈ লুনা

তৌদুনা শেল তানবা হৌরক্লে। মাতুদা শেল ফংক্রবা অতুদা মাখোইনা লম অতুদা মহৈমরোং থারে। লম অদু নিংথিনা শেমখিবা মরন্না মহৈমরোং অস্থপকী মতিক য়াম্না থোক্লে৹ মাদুদি মপানা থনম্বা য়াই হায়না নিংবা শেল অদুদগীসু হেন্না য়াম্না ফংখি। অসুম্না নোম্বগী মহৈ অদু খুদক খুদক্তা ফংলদুনা মাখোইনা মপাগী য়াহৈ অদ৲গী মরোল থওবা ঙমখি অমসুং অতনবা থাদোক্নুনা থবক্তা মায় ওনশিনখি। মতিকচাবা নোম্বগী মহৈনা মথং মথং চাওখৎলক্নুনা মমৈদদি য়াম্না ইনাককৈরাক খুনবা মী ওইখি।

বাহং

১। শব্দার্থ হায়য়ু।— মায়ওনশিনবা৹ খুদক খুদক্তা, মরোল, বিজ্ঞান৹ নোংজু মুংশা।

২। ব্যাখ্যা তৌ— (ক) অতনবা মীগী ···· ··· ···· ···· অমম্বনি।

(খ) নোম্বা হায়বা অসি চাওখৎনবগী মঙ্গনি।

(গ) চাওখৎপগী অথোইবা পান্বে হায়ববু নোম্বতনি।

৩। নোম্বনা করি কান্নবগে? হয়ুবা অদ৲না মচা অহুম অদুবু অতনবা থাদোক্নবগী করম্বা উপায় তৌখিবগে? অমসুং মহাক্না তৌখিবা শান্বে অদ৲ কান্নখিবরা।

কৈফাবা অমসুং খম্বগী পুকচেল চাউবা

ওসি খোইরেন্তাকী লময়ায়দা মোইরাংগী মী পুন্নমক তিল্লে। পনগী অকোয়বদা শগাই শাদুনা নিংথৌ৹ যুবরাজনচিংবা অওম অথৌ অপুম্বা থেন্দুনা লৈল্লে। ওসি খম্বা নোংবান অনিগী লাইবক চাংয়েংবা মুমিৎনি হায়বা অদুনি। নোংবান পম্ন৲ চংলে। খম্বসু খুত্তা তা পায়রদুনা চংলক্লে। মাদু উবদা থোংলেম্না শগাই মথক্তগী লাউরকই— "হা অমুদোন নোংয়াই! তারিব্রা? নপা ইভাউ পুরেনবদি কৈ তরেৎ নমদুনা ফাখি; নংদি কৈ মচা অসিমতং ফাবদা খুৎলাই পাইরিব্রা?" মাদু তাবদা ইকাইরদুনা খম্বনা তা থমদুনা চংশিল্লকই। মাদু উবদা নোংথোম্বনা লাউরকই— "পারি ইবুংঙো নোংয়াই! নপানা নংগী নথৌনা য়েংগে তৌবনি কনানা কৈবু খুৎলাই য়াওদনা ফাবা ঙম্বা হৌনবগে? তা পায়য়ু।

অসুম্না খম্বা নোংবান অনিমক চংল্লে। নোংবান্না থৈ, কৈনা মাবু থি। খম্বনা থি৹ কৈনা থৈ। মমৈদা নোংবানগা কৈগা থেংনরে। নোংবান হায়বা অদুসু কন্দ-হৈতবা নত্তে। কৈ অদুগা থেংনবদা মহাক্কী কন-হৈবা পুন্নমক উৎলবা মতুংদা বিধাতাগী নোংদম্না কৈনা শোক্নুনা তুরে। মাদুগী শামিন হেক ফংবদা খম্বনা হেক চেনশিল্লক্নুনা নোংবানগী তেংবাংবা লাক্লে। তৌইশুম্বসুং নোংবান্না তুরম্বা উবদা মমিত্তা মপি শিম্বদুনা কপ্লকই অমসুং মতাউগী সেবা তৌরকই।

নোংবানদি মতম অদুদা শানা শোক্লবা অদুগী চৈনাখোল্লা লৈপাক্লা ওন্দুনা লৈরম্মি ; ভাইহাক লৈরবা মতুংদা নোংবান্না খম্বা য়েংদুনা হায়রকই— "ইতাউ ! হৌজিক্তা ঐনা তৌজরকপা কন্তবা থবক পুম্নমক্কী মহৈ ফংজবরে ইতাউ। ঐনা ইতাউদা হায়গদবা ইশা ইতোমদা হঙোইজে, শানা শোক্লবা অসিগী হুনা ওইবনাল্লে, ইতাউ ! ঈশিং ওন্থোক্লা খোরাংখরেদা ! মমাংঙৈদগী হৌনা শামুখোং য়েংপা কাওবা ঐনা ইতাউগী নকমদা কায়রকপা পুম্নমক খল্লুরবদি ইতাউ ঐনা ইতাউগী মফমদগী ঈশিং ফংকন থোক্তে। অদুবু ইতাউদি পোকপদগী কাঈরক্লবা নিপা অমনি ; মহৌশাগী ভাকপিহৈবা গুণনা মমাংগী অরানবা পুম্নমক কাউথোক্লুনা খোরাংবনা কংলবা নতাউবু লাইজা খুজোক অমতং পীথক্লুনা ঈংনা অমম্মুং খরাই পেন্না লাইগী খুয়া ফংহনবিগদরা ? লিম্না মখুল চংলমদাইদা চুম্মি হায়দুনা ঐহাক্লা হৌজিক্তা খঙজরক্লে, ধর্মনা জয় ওই হায়বা হৌজিক্তা খঙজরে। ইতাউদি লান্দবনি ; নিংথৌগী মজা ইবেন্মা অমত্তা পোকপী থাদোই, থোইবীবু লৌদুনা মতম কুইনা ইবুধৌ থাংজীংগী সেবা তৌরকখো।"

নোংবানগী রা তাবদা খম্বনা খুনা লাইজা ঈশিং সৌরুদুনা নোংবানবু পীথক্লে, অমমম্মুং হায়রকই— "ইতাউ ; কবিমতা রাকগন্ন ; কবিসু তৌবোই" অসি হায়দুনা নোংবানগী মুংঙাইনবা সেবা তৌখি।

ৱাহং

১। কৈ ফাবগী ৱারী শন্না পীযু।

২। মাসিদগী করি পাউতাক ফংবগে হায়যু।

৩। শব্দার্থ হায়যু— লাইজা, বিধাতা, থাংজীং, তেংবাংবা, নোংদম, চৈনাখোল।

৪। খম্বা থোইবীগী ৱারী শন্না লীযু।

ঈশ্বর ভক্তি

(লাই নিংবা)

তেংবানব সিদা য়েংথি য়েংথিবদা
ইবুংঙোগী থৌজাল্লা উরি।
কনাগী য়াথংনা, কোরৌহনবনা
মালেম অপুম্বা ঙাল্লি ?
কনাগী থৌজাল্লা, নামিবা মুংশিংনা
শীনবা থুংনা শীংলি ?
মেংলবা থাবল্লা, ঈচৌরকপদা
থৌজানগী ঈথল্লা কাল্লি
অমম্বা অহিংদা, নিংথিবা মালংদা
থরানমিচাল্লা লংলি।
নিংথিবা লৈরাংগী, অথোংপা লৈকাদা
ইবুংঙোগী গুনতা ইরি।
পোম্বী চেল্লাশিংনা, মুংশিবা খোঞ্জেল্লা
মপুগী গুণবু শোল্লি।
ইবুঙোগী থৌজানবু, তোল্লবা ননাইনাং
কয়ল্লা শীংথাফম থোকপা।
তোল্লবা জীবনা, থুয়া থা'হুদা
করিবু নিজকম লৈবা ?
মপুগী চরন্দা, ফিগাউ শাল্লুনা
অসিদা কাউদবা নিজে।
ঐগী হায়ববু, তেংবানবা মপুনি
ননাইনা অসিতা পামজে।

বাহং

১। শৈরেং অসিগী ভাবার্থ অয়াম্বা লোন্দা হায়যু।
২। ব্যাখ্যা তৌ— (ক) মেংলবা থাবল্লা ··· ···· ···· ···· ঈথল্লা কাল্লি।
(খ) নিংথিবা লৈরাংগী ···· ···· ···· গুণতা ইরি।
৩। মাসি তম্বলগা করি পাউতাক ফংবগে হায়যু।

লোইরবা।

কোৎপ্রবা লাইব্রেরি অহানবা খুদম (First Edition) খৃঃ ১৯২৭ ইংদনি, State Govt, না Text Book ওইনা লৌশিনখ্রবনি।

রাখল

খ্বাইরাকপম ৺চাওবা সিংহ

হায়েৎদোকপা

লাইরিকমচা অসি পুম পুথোকচবদা পুক্নিংদা হায়মা অগীবগা
লোইনমা হাইজনিংবা খরা লৈরে :— হায়রেং অসি ইশামা
পামজবগী লৈমদুনা শান্নজবা চাক্তনি — মসিদা লোনগী
অমসুং হায়মনগী খুৎরবদি [illegible] তাদনা চাম্নিবগে
হাইরবদি হায়মন চাওবা পাথিয়িবাসিংনা খমবিগদবা মজাইরে।
এগী ইশাগীদি নিংবামুংনা লেংদোক্নৌবা থৌদে।
লোনগী ময়মদা ময়াইনা চংজয়ফা সংস্কৃত খয়াদি
মোত্তনা মাদোফুবা খোইনকপাদি পামজদে। মাসি লেংবদা
বংদেশগী মামিং চৎলবা কবি ৺জানকী প্রসন্ন ঘোষ, রামেন্দ্র
সুন্দর ত্রিবেদী অমসুং চিংবা লেখিসিংগী মতৌ অমা খ্যা
এগী ফিদম ওইনা লৌজরি। ময়ম অডুনা এনা লেখিসিংঅসিগী
লৌস্লিবা লমমগী দমক মতিক ওইনা জাত্তি থদরি। মাসি
লেংবদা মনিপুরগী ডিপুটি ইন্সপেক্টর শ্রীযুক্ত বাবু গৌলাপ সিংহ
সব ডেপুটি কালেক্টর শ্রীযুক্ত বাবু নাদিয়াচান্দ সিংহ বি.এ.
জনস্টোন স্কুলগী শিংমফা ওজা শ্রীযুক্ত বাবু মণিমোহন সিংহ,
শ্রীযুক্ত বাবু অরাম্বম হিজুমোহন সিংহ বি.এ না লৌখিরক্লা
কান্নরবা সাহায্যগী দমক এনা লৌখিমল থাংবা উৎচরি।

লৌকিক লাইরিক অসিনা এনা ওমজরিবা অশোকাসিংগী
খয়াদং কান্নবাদি লোমজরিবা মচৈ য়াম্লে হাইদুনা
থয়া ওজগনি। ইতি

উরিপোক, শয়কম
৮।৭।১৯১০

শ্রীখ্বাইরকপম চাওবা সিংহ

হিরম

—খঙহঞ্জরা—

লৈখিদ্রবা কবিগী ফোঙখ্রবা অমসুং টেকষ্ট, বুক ওইনা সরকারনা লৌশিনখ্রবা 'বাথল' হায়বা লাইরিক অসি, থিবা য়াবমথৈ থিজবদা, কোপি ফংবা ওমজদবদগী থুংনম অসিদা পুথোকচবদা য়াওজদ্রে। লাইরিক অসিবু পাবিরিবা পুকচেল চাউরবা ইবুংঙো-ইবেম্মশিংনা করিগুম্বা হায়রিবা লাইরিক অসিগী কোপি লৈবিরবদি অমসুং থেংনবিরবদি পব্লিসরগী থুক্তা শিন্নবিয় হায়না আপিল তৌজরি, মতুগীদমক্তা তৌবিমল উচ্চপনি।

শ্রীথোকচোম প্রফুল্লো সিংহ
চাংঙাংমথা ক্ষেত্রি লৈকাই, ইম্ফাল।

Phone ;-- 227012

কোঙশ্রবা লাইরিক্সি : অহানবা খুৎনম (First Edition) দি খৃঃ ১৯৩২ ইংলন্নি ।

ELEMENTARY LESSONS ON

ENGLISH TRANSLATION & COMPOSITION

PART I

Compiled By

Late Khwairakpam Chawba Singh,

Teacher, Johnstone High English School,

3rd Edition. Published at the State Library, Imphal. Printed by A C Mitra at Minerva Printing House, 168, Romesh Dutt St., Calcutta.

PREFACE

The growing inportance attached to traslation has promted the design of the present compilation. It has been planned specially to meet the want of the Manipuri boys, who read in the middle classes of our H. E. School. This book is nothing but a collection of excercises given to the boys as their hometasks. To be able to express a complete thought is more useful to the boys than merely to get a store of vocables. This object I have steadily kept in view. Years of practical work as a teacher have enabled me to select such subjects as are really useful to the boys of this standard ; in doing so I have to err a little on the side of fullness. The aim of this book is to teach the boys by practice and examples rather than by theory ; the theoretical portions of Garmmar is therefore treated as subjects of minor inportance. In short I have spared no pains to make the work a really useful and interesting study to my young friends. I am not unaware of the difficuities, I have to face in undertaking this, at this time when the Manipuri iiterature is so poor ; still the crying want I daily expeeience in the class-room emboldens me to bring it out in spite of its manifold defects. I shall deem my labour as amply rewarded if it is found to be of some use to those for whom it is intended.

In eonclusion I have to ackuowledge with real gratitude to the help, I receive from Babu Waikhom Chaoba Singh, B.A., and Sreejut R.K. Atompishak Singh, B, A,, who kindly reviewed the whole of the manuscript and made some useful suggestions,

The Author,

ELEMENTARY TRANSLATION

HUMAN BODY

মী	Man
হকচাং (বোডি)	Body
মাই (ফেস)	Face
কোক	Head
শম	Hair
নাইবক	Forehead
পিশুম	Brow
মিৎ	Eye (আই)
মিৎপান	Eye lid
পা	Eye lash
মিৎনহা	Pupil
নাকোং	Ear
নাতোন	Nose
নাতোন মখুল	Nostril
খজাই	Cheek
চিন	Mouth
চিম্বাল	Lip
য়া	Tooth
য়ারি	Gum
লৈ	Tongue (টং)
খোই (খদাং)	Beard
খোই	Mustache
খদাং	Chin
খৌরি	Throat
ঙকশম	Neck
লেংবান	Shoulder
খবাক	Breast
খুৎ	Hand
পাম্বোম	Arm
শেগ্রাক	Arm-pit
খুজেং	Wrist
খুবাক	Palm
খুবী	Thumb
খুদোম্বী	Index finger
খুয়াই	Middle finger
খুনিংথৌ	Ring finger
খুনাওবী	Little finger
পুক	Belly
নমল	Back
খাং	Waist
খোং	Leg
কৈগাল	Thigh
খুকউ	Knee
খুজেং	Ankle

খোংপাক	Foot	শরু	Bone
খুয়া	Sole	শিংজি	Vein
খুজিল	Nail	মিতুল	Pulse
খুনীং	Heel	ঈশিং (য়ুং)	Urine
খুনীং (খুৎকী)	Elbow	ঋমাংবা (থী)	Night soil dung
শউন	Skin	হমাং	Sweat
ঈ	Blood	তিল	Spittle
পি	Tear		

Familiar Relations

ইপা	Father	মনেম্বোক	Mother in-law
ইমা	Mother	মপু	Grand Father
ইয়াম্বা, ইনাও	Brother	মবেন	Grand Mother
ইচে, ইচন	Sister	মশু	Grand son
ইপন, খুড়া মামা	Uncle	বর	Bride groom
ইন্দ্বান, ইদোন, ইনে	Aunt	কন্যা (নুপী)	Bride
মচানুপা	Son	লোন্নবী	Co-wife
মচানুপী	Daughter	মমা পোক্তবী	Step-mother
মমাক (মচেন্না পোকপা)	Nephew	লোন্নবী মচা	Step son
মমৌ (ঈচেন্না পোকপা)	Niece	মতু	Wife
মমাক (মচানুপী লোবা)	Son-in-law	মবা	Husband
মৌ	Daughter-in-law	শাগৈ	Kinsman
মশেন, মবাই	Brother-in-law	নুপা	Man
মকু	Father-in-law	নুপী	Woman

Dress (পোষাক) and Ornament (লৈতেং)

কোট	Coat	খোংউপ	Shoes
কামিজ		খোংউপ বুট	Boots
খোংগ্রাও	Pantaloons	খুদোন খোংউপ	Slipper
মোজা	Stockings	টুপী	Cap, Hat (সাহেবকী)

কোমবন্ধ Belt
ইন্নফি Wrapper, Seeet
কোয়েৎ Turban
ফুরিৎখাও Pocket
খুদোপ Ring
কুদাম Button
কম্ফোর্টি Comforter
লিক Necklace
ঘড়ি (জেব) Watch

ঘড়ি (অখিনবা) Clock
ঘড়ি (খুদাং) Wristwatch
অনোক Spectacles
ছাটিন Umbrella
শাল Shawl
খুজি Bangle
খোংজি Anklet
নাইন Ear-ring
লুহপ Crown

Food (চিঞ্জাক)

অয়ুকী চাবা Brackfast
চাকলেন Dinner
নু মদাংগী চাবা Supper
চাবা বানবা Tiffin
চাক Rice
হবায় Dal, Pulse
ঈনশাং Curry
ঈনশাং মহী Soup
ঙা Fish
শঙ্গোম Milk
শা Meat
ঈশিং Water
থাউ Oil
ঘী Ghee

চিনি (অভৌবা) Sugar
চিনি (অঙাংবা) Molasses
অথুম অহাও কবোক Sweetmeat
তল Bread, Cake
চা Tea
থুম Salt
মসলা Spices
মারোক Red pepper, Chilly
যাম Flour
য়ু Wine
পানকা Betel
হিদাক Tobacco
চুরুট Cigar, Cigarette

Students' requisites.

লাইরিক তম্ফমশং School
ওজা Teacher
য়ুমগী ওজা Tutor
লাইরিক Book

চে Paper
কলম মচিন Nib
মুক Ink
মুকফু Inkpot

চেনপ	**Blotting paper**
পেন্সিল	**Pencil**
পথাপ	**Rule**
খড়িমাটি	**Chalk**
বোর্ড	**Black board**
মেজ	**Bench**
ডেস্ক	**Desk**
টেবল	**Table**
চৌকি	**Chair**
মেপ	**Wall-map**
শরিক	**Bell**
কাংশী	**Gong**
শ্রেণী	**Class**
পারা	**Lesson**
লামাই	**Page**
পরেং	**Line**
ময়েক	**Letter**
পন্দুপ	**Paragraph**
অধ্যায়	**Chapter**
অচুম্বা	**Right**
অরানবা	**Wrong, Mistake**
মনা	**Prize**
জরিমানা	**Fine**
দণ্ড	**Punishment**
হুল্লিবা থাগী শেল	**Fee**
পরিক্ষা	**Examination**
শাম্নকম	**Playground**
খোঙ্গাওবী	**Football**
করাজ	**Drill**

Household Objects

য়ুম	**House**
কা	**Room**
থোং	**Door**
মীহুৎথোং	**Window**
পোৗরোন	**Latch**
থাইখু	**Lock**
শো	**Key**
য়ুমথক	**Roof**
ফমুং	**Bed**
খোন	**Pillow**
কাম্বা	**Quilt**
কম্পোর	**Blanket**
ফক	**Mat**
উপু	**Box**
আলমারী	**Almirah**
মিংশেল	**Looking Glass**
থাওমৈ	**Lamp**
শীংজং	**Axe**
শীংজং মচা থাংজৌ	**Hatchet**
য়োৎপাক	**Spade**
খুমোক	**Basket**
পুখম	**Plate**
ভেঙ্গোৎ	**Cup**
গিলাস	**Glass**
থাং	**Pan**
ঈশিং লুম্বা পাত্র	**Kettle**
খৈরোই	**Spoon**

Common Animals

শা	Beast
উচেক	Bird
মশবী	Cow
মশ লাবা	Bull, Bullock
মরাও	Calf (কাফ)
হামেং	Goat
হামেং মচা	Kid
য়াও	Sheep
য়াও মচা	Lamb
হুই	Dog
হুইনাও	Puppy
হোদোং	Cat
হোদোং মচা	Kitten
শগোন	Horse
শগোল অমোম	Mare
শামু	Elephant
য়োং	Monkey
গোলা	Ass, Donkey
ৈক	Tiger
উচি	Rat, Mouse
কৈশাল	Wolf
কবোটৈক	Leopard
লমহুই	Fox, Jackal
শজি	Dear
নোংশা	Lion
খেবা	Hare
উট	Camel
হভোই	Frog
লিন	Snake, Serpant
কাড	Mosquito
হয়িং	Fly
কুবাক	Butterfly
তীল	Worm

Natural Objects

হুমিং	The Sun
থা	The Moon
থবাম্বিচাক	The Star
অতিরা	The Sky
উ	Tree
উনা	Leaf
উশা	Branch
উন্নী	Creeper
নাপী	Grass
পুখী	Pond, Tank
তুরেল	River
তুরেল মপাল	Bank
পৃথিবী	World, the Earth
কংফান	Land
হুংশিং	Air, Wind
লৈচিল	Cloud, fog
নোং	Rain
নোং হুংশিং	Storm
লিক্রা	Dew
লেন	Hail
চিং	Hill
চিংজাও	Mountain
লৌবুক, লম্পাক	Field

Disease

কোক চিকপা	Headache	পুকচৎপা	Cholera
লোক থুংবা	Cold	লাইথোকপা	Small-rox
লোক খুবা	Cough	লাইক্‌প	Ch'cken-pox
অকুম	Fever	ঈংজোন কাইবা	Dysentry
পুক নাবা	Diarrhoea	লাইকোই	Ring-worm
পুক থিবা	Colic pain	উরিং	Pimple
হুংশিং কাবা, চাখিবা তন্দবা	Indigestion	পাৎপা	Scables
খোং চিকেং চিকেং হাম্বা	Dyspepsia	ন'ঙ্	Pus
মাংবা রাদবা	Constipation	পোমখৎপা	Swelling
হুংশং	Piles		

Some Familiar Fruits

হৈনৌ	Mango	কমলা	Orange
থৈবোং	Jack-fruit	চম্প্রা	Lemon
লফোই	Plantain, Banana	চু	Sugar-cane
পুংদোল	Guava	কফোই	Pomegranate
পোরোই	Plum	অরাথবী	Papaw
য়ুবী	Cocoanut	মংগে	Tamarind
কিহোম	Pineaple	হৈনিং	Hog plum
থাংতুপ	Date	হৈবোং	Fig
হৈতুপ	Custard-apple	থবী	Cucumber
জাম	Black-berry	চিনার	Melon

Flowers (লৈ)

গোপাল	Rose	থরো	Water-lily
শনারৈ	Marigold	কুন্দামলৈ	Lily
জবাকুসুম	China-rose	মালিকা, মালতী কামিনীকুসুম	Jasmine
থম্বাল	Lotus		

Crops

ফৌ	Paddy	হঙ্গাম	Mustard
চেং	Rice	চুগজাক	Maize
গেহু, গম	Wheat	সাগুদানা	Sago
যব	Barley	মহৈমরোং	Crops
মঙ্গলহরাই	Pea		

Vegetables (মনামশিং)

আলু	Potato	য়াইঙং	Turmeric
খামেন	Brinjal, egg-fruit	তিলহৌ	Onion
মুলা	Radish	চনম	Garlic
খোংক্রম	Gourd	ভেলিন্দ্রি	Lady's finger
কোবি	Cabbage	হঙ্গাম	Mustard
ফুলকোবি	Cauli-flower	মাইরেল	Pumkin
শিং	Ginger		

Branches of Learning

সাহিত্য	Literature	উপন্যাস	Novel
অঙ্ক	Mathematics	আভিধান	Dictionary
পাটিগণিত	Arithmatic	নাটক	Drama
জ্যামিতি	Geometry	আইন	Law
ভুগোল	Geography	জ্যোতিস	Astronomy
ইতিহাস	History	পাঞ্জি	Astrology/Astrologer
গদ্য	Prose	বিজ্ঞান	Scienoc
পদ্য	Poem		

Various Professions

স্কুলগী ওজা	Teacher, School master	লৌউবা	Cultivator, Farmer
ছাত্র	Student	নাপেৎ	Barbar
কেরানী	Clerk	মালী	Gardener
পুরিং	Priest	চফুশাবা	Potter
পুজারী	Cook	থাংজম	Blacksmith

সনাশাবা	Goldsmith
উশুবা	Carpenter
ফিশাবা	Weaver
তেলী	Oilman
ধোবী	Washerman
গোয়ালা	Milkman
ভুম	Fisherman
শজেন্মহা	Cow-boy, Cowhard
কুরিৎতুবা	Tailor
চেক্কীমিস্ত্রী	Mason
মুচী	Shoe-maker
লাইয়েকপা	Painter
ছাপানবা	Printer
গাড়ীওয়ালা	Carter
সইস	Groom
কুলি	Labourer
চাক্লিবা	Beggar
মাইবী	Mid-wife
আয়া	Nurse
মেথর	Sweeper
ডাক্তর	Doctor
উকিল	Pleader
বড়লাট	Governor-general
লাট	Governor
ছোটলাট	Lieutenant governor
বিচারপতি, বায়েক্লিবা	Judge
লাইরিক লেংবা	Author
খাজাঞ্চী	Cashier
সিপাই	Soldier
পুলিশ	Police
চৌকিদার	Watchman
পিয়ন	Peon
লল্লোনবা	Tradesman
দোকান্দার	Shop-keeper
ঠিকাদার	Contractor
হিংহোনবা	Sailor

Courts

বায়েনশং	Court
দেওয়ানী আদালত	Civil court
ফৌজদারী "	Criminal court
বাদী	Plaintiff
বিবাদী	Defendant
ফৌজদারিগী বাদী	Complainant
আসামি (বাপা)	Accused
মোকদ্দমা	Law suit
সাক্ষী	Witness
এজাহার	Deposition
য়েংপা	Argument
বিচার	Trial
রায়	Judgement
সমন	Summons
বারেন	Warrant
জাল	Forgery
মিথ্যা সাক্ষ্য	Perjury
স্বত্বগী বিচার	Title suit
আপীল	Appeal
ডিক্রীদার	Decree-holder

ক্রোক	Attachment	ক্ষতিপূরণ	Compensation
নিলাম	Auction	বন্ধক	Mortgage
দাবী	Claim	দলিল	Document
জামিন	Bail		

Days of week

নোংমাইজিং	Sunday	শগোলশেন	Thursday
নিংথৌকাবা	Monday	ইরাই	Friday
লৈপাকপোকপা	Tuesday	থাংজা	Saturday
যমশকৈশা	Wednesday		

Time (মতম)

নুমিৎ	Day	ঙসি	Today
পুং	Hour	হয়েং	To-morrow
মিনিট	Minute	ঙরাং	Yesterday
সেকেণ্ড	Second	হংচিং	Day after to-morrow
মিকুপ	Moment	লহাল	Day before yesterday
চয়োল	Week	ঙসি অহিং	To night
থা	Month	ঙরাং অহিং	Last night
চাহি	Year	তারিখ	Date
শতাব্দী, চহিচা	Century	পুর্ণিমা	Full moon
যুগ	Age	অমাবস্যা	New moon
ছুটি	Holiday	শুক্লা নিমাং	Bright fort-night
অয়ুক অঙনবা	Dawn	বুধা নিন্দুং	Dark fort-night
অয়ুক	Morning	ঋতু	Season
নুমিৎয়ুংবা	Noon, Midday	কালেন্থা	Summer
নুমিৎয়ুংবা মতুং	Afternon	লোংজু শাম্বা	Rainy season
নুংথিল নুমিদাংবাং	Evening	শরৎকাল	Autumn
অহিং	Night	নিংথমথা	Winter
নোংয়াই	Mid-night	বসন্তা	Spring

Pronouns

ঐনা	I	মাগী	His
ঐবু	Me		Her (নুপীদা)
ঐগী	My, mine	কনানা কনা কনানা	Who, which
নংনা	Thou, you ;	করি	Which
নংবু	Thee, you ;	কনাবু	Whom, which
নংগী	Thy, thine, your, yours	করিবু	Which
		কনাগী	Whose
		মাসি, অসি	It, this
ঐখোয়না	We	মাখোয়না	They
ঐখোয়বু	Us	মাখোয়বু	Them
ঐখোয়গী	Our, Ours	মাখোয়গী	Their, theirs
নখোয়বু	You	মাসি পুন্নমক	They, these
নখোয়না	Ye, You	মাদু, মাসি	That
নখোয়গী	Your, Yours	মাদু পুন্নমক	Those
মহাক্না	He	মাসি	It, this
	She (নুপীদা)	মাসি পুন্নমকপু	Them
মাবু	Him	মাসিগী	Its
	Her (নুপীদা)	মাসি অপুনগী	Their

Some Abstract Nouns

পুকচেলশেংবা	Honesty	থৌনা	Courage
থোজাল	Kindness	নোয়নুকপা	Humility
কণ্ডবা	Wickedness	চাওথোকপা	Pride
অশেংবা	Purity	তুকচবা	Hatred
পাঙ্গল	Strength	কিবা	Fear
মরুপ শান্নবা	Friendship	পাংদবা	Cowardice
য়েক্কবা	Enmity	অশাংবা	Length
লাইবক	Forturne	অপাকপা	Breadth
নুংশিবা	Love, affection	অথাবা	Thickness

অৱাংবা	Height	অনাবা	Ilness sickness
অশাওবা	Anger	অখাংকনবা	Patience
অরাম্বা	Hunger	উইনকনবা	Perseverence
খৌরাংবা	Thirst	কল্লকপা	Malice
অতনবা	Idleness	য়েক্রবা	Envy
মুংশিহৈভবা,		ইকাইখুম্নবা	Honour, respect
খৌজালহৈভবা	Cruelty	পুক্চেনচাউবা	Gratness
ঈকাইবা	Shame Bashtulness	পুকচেনপীকপা	Meanness
হৱাওবা	Gaieties	থৌবিমলথংবা	Graitude
নুংঙাইবা	Happiness	পীনহৈবা	Chaɹity Generosity
লায়রবা	Poverty	আশা	Hope
লৌশিং	Wisdom, Intelligence	আশাচাউবা	Ambition
নুংঙাইবা	Joy	ভক্তি	Reverence
অৱাবা	Sorrow		

Common Verb

ওইবা	To be	হোৎনবা	To try
তৌবা	To do	তুম্বা	To sleep
লেপ্পা	To stand	জগোই শাবা	To dance
ফম্বা	To sit	ঈশৈ শকপা	To sing
চৎপা	To go, to walk	চোংবা	To jump
লাকপা	To come	পাবা	To read
চেনবা	To ɪnn	ঔরাইবা	To learn
হিল্লা	To lie	ইবা	To write
হৌগৎপা	To rise	লৈবা	To live
হিংবা	To live	চাবা	To eat
শিবা	To die	লৌবা	To take
শান্নবা	To play	পীবা	To give
নোকপা	To laugh	পাইবা	To fly
মোম্মোন নোকপা	To smi'e	ঙাংবা	To speak
নিংবা	To hope	পুক্নিংদা নিংবা	To wish
কপ্পা	To cry, to weep	ঈরোইবা	To swim

Verbs (Contd).

ফংবা	To get, to have	হাংদোকপা	To open
কাঈবা, থুগাইবা	To break	থিংজিনবা	To shut
শেগাইবা	To tear	চিংবা	To pull, to draw
ফাবা	To catch	মহাও তংবা	To taste
য়েংবা	To See, to look	মনম নম্বা	To smell
তাবা	To hear	খংবা	To know
পুরকপা	To bring, to fetch	রানান তৌবা	To spell
হায়বা	To say, to tell	তৌবা (লৈপাক)	To dig
কৌবা	To call	খুরম্বা	To salute, to bow
থম্বা	To put, to keep	ভক্তি তৌবা	To regard
শাবা	To make	তুক্কচবা	To hate
চামথোকপা	To wash	হংবা	To ask, to question
চাবা	To eat	খুম্বা	To answer, to reply
থকপা	To drink	পরিক্ষা তৌবা	To examine

Some familiar adjectives

অফবা	Good	সুংশি হৈতবা	Cruel
ফত্তবা	Bad	অমুনবা	Ripe
ফজবা	Beautiful, nice Handsome	অশংবা	Unripe, green
		য়েৎ	Right
অথীবা	Ugly	ওই	Left
অচৌবা	Great, Large, big	অকংবা	Dry
অপিকপা	Little, Small	অচোৎপা	Wet
অকনবা	Strong	অশাবা	Hot
অশোনবা	Weak	অইংবা	Cold, Cool
অকনবা	Hard	অশাংবা	Long
অথোৎপা	Soft	অতেনবা	Short
ইনাকথুনবা	Rich	অপাকপা	Broad
লাইরবা	Poor	অথাবা	Thick
থৌজানহৈবা	Kind	অপাবা	Thin

অনোইবা	Fat	মশাফত্তবা (নাবা)	Unwell, ill, sick
অরুবা	Deep	অনৌবা	New
অরুবা	Difficult	মৱেপৱাংবা	Tall
অরাইবা	Easy	অথুম্বা	Sweet
অত্তাঙবা	Dear	পৌনাফবা	Brave, Bold
অহোঙবা	Cheap	মিত্তাংবা	Blind
নুংঙাইবা	Happy, Glad	খোংতেকপা	Lame
অৱাবা	Sorrow, sad	নাপংবা	Deaf
মশাফবা	Well. Healthy	লোংহো ক্তবা	Dumb

Differents Colours (মচু)

অঙাংবা	Red	শংবান্নবা	Blue
কমলামচু	Orange	মংগ্র'মচু	Violet
অঙৌবা	White	উংমচু	Grey
অমুবা	Black	কোনা	Brown
মাপু	Yellow	অৱংবা	Bright
অশংবা	Green		

Adjectives

মুক অঙাংবা / অঙাংবা মুক]—Red ink ফি অঙৌবা / অঙৌবা ফি —White cloth

মথক্তা ইরিবা অসিদা অঙাংবা অমসুং অঙৌবা হায়বা ৱাহৈ অনি অসিনা করম্বা মুকনো, করম্বা ফিনো হায়বা মতৌ তাক্লি ; মৱম অদুনা মখোই অনি অসি Adjective নি। মৈতৈলোন্দদি Adjective অসি Noun গী মমাং নত্রগা মতুংদসু হাপ্পা য়াই তৌইগুমসুং ইংলেজীদদি Noun গী মমাংতা হাপকনি। মাতুদি :— Black mare, White cloth.

Excereise 1.

Translate into English :—

অরুবা লাইরিক, ফজবা মিং, ক্নোয়েং অঙৌবা, য়েংথংবা খুং, অমুনবা উহৈ, পৌনাফবা মী, মত্তাংবা ফি, অইংবা নুংশিং, মুক অমুবা, ক্নৌকি অহনবা, ফত্তবা মচা, মখিং তাংবা অঙাং মরুবা পাল্লা, অশাবা চা, খোঙ্গপ অমুবা, বণ অনোইবা, শংবানবা মিং, অৱংবা খুজি, ঈশিং অরুবা, মচোৎপা কাম্বা।

Numbers

1	One
2	Two
3	Three
4	Four
5	Five
6	Six
7	Seven
8	Eight
9	Nine
10	Ten
11	Eleven
12	Twelve
13	Thirteen
14	Fourteen
15	Fifteen
16	Sixteen
17	Seventeen
18	Eighteen
19	Ninteen
20	Twenty
21	Twenty one
22	Twenty two
23	Twenty three
24	Twenty four
25	Twenty five
26	Twenty six
27	Twenty seven
28	Twenty eight
29	Twenty nine
30	Thirty
40	Forty
50	Fifty
60	Sixty
70	Seventy
80	Eighty
90	Ninety
100	One hundred
1000	One thousand
10000	Ten thousand
100000	Hundred thousand
1000000	One milion

অহানবা	First
অনিগুবা	Second
অক্রমগুবা	Third
মরিগুবা	Fourth
মঙাগুবা	Fifth
তরুকগুবা	Sixth
তরাগুবা	Tenth
য্যাংখেগুবা	Fiftieth
মরিফুগুবা	Eightieth
চামগুবা	Hundred

Number

অডাং অমা—One boy;

অডাং অনি—Two boys.

অডাং অহম—Three boys.

অডাং মমাম—Many boys.

অসুম্না One book—two books -many books.

One pen—three pens—many pens,

অসিগুমনা ব্যাকরণদা পোৎ অমতগী রা হায়বা কান্দা Noun অহু Singular ; অহুগা অমদগী হেনবা পোৎ হায়নবা কান্দা মাহু Plural ওই।

মৈতৈলোন্দা Noun গী মমৈদা পুন্নমক, শিং, খিবিক, ময়াম, অসিনচিংবা ময়াম থংনবা বাহৈ হাপতুনা Plural শেম্মি। ইংরেজীদা মথাদা ইরিবা অসুম্না Plural শেমনৈ।

(1) Singular Noun দা s হাপতুনা—

Boy—boys, Horse—Horses.

মমৈদা f নত্রগা fe লৈবা Noun গী Plural শেম্বদি f অহু v ওনগনি, মাহুদা es অমসুং s তপকনি। মাহুদি—

Leaf—leaves, Knife—knives.

Consonant না মমাংদা লৈবা o না কোনবা Noun শীদি es হাপতুনা শেমগনি। মাহুদি—Potato—potatoes.

(2) Singular uoun দা en হাপতুনা ox—oxen, child—children, cow—kine.

(3) Vowel ওন্থোকতুনা—

Man men, foot—feet, tooth—teeth, mouse—mice, louse (হীক)—liec, sow swine.

Exercise 2

Translate into English :—

খুৎ অনি, উচেক তরা, শামু ময়াম, মুপীশিং, সিফাই পুন্নমক, ষবী কুন, হিহোনবা খিবিক, হীকপি মঙা, পাটিগণিত অনি, লৌউবা পুন্নমক, কিহোম চামা, গোবালামথৈ, হৈনৌ পুন্নমক, কমলা চনি, য়োং পুন্নমক, শো ময়াম, উপু তরেৎ, পরীক্ষা পুন্নমক, কোয়েৎ নিপাল, মী ময়াম।

Articles

"A" and "An"

[1]

অঙাং অমা—A boy	লাইরিক অমা—A book
কলম অমা—A pen	ষবী অমা—A cow
মেপ অমা—A map	হৌদোং অমা—A cat
হৈনৌ অমা—A mango	খুদোপ অমা - A ring

[2]

কমলা অমা—An orange
মুকফু অমা—An inkpot
লোলা অমা—An ass
ছাত্তিন অমা—An umbrella
শীংজং অমা—An axe
শামু অমা—An elephant
ককচেং অমা—An ant
ষণলাবা অমা—An ox

অসুম্না A অমসুং An হায়বা article অসি অর্থ অমত্তা ওইরবসু শীজিন্নকম মায়দে। (১) অহানবদা হায়বগুমনা A না Consonant কী মমাংদা অদুগা (২) অনিশুবদা হায়বগুম্না An না Vowel গী মমাংদা হাপনৈ। তোইগুম্বসুং খোনকম থোক্কবা h গী মমাংদা an হাপনৈ। মাদুদি an hour, an heir, an honour অদুগা ইউ (yn) গী খোনকম থোকপা vowel গী মমাংদনা a হাপনৈ; মাদুদি A European, a useful thing.

Articles (Contd)

'The"

গঙ্গা—The Ganges. হিমালয়—The Himalayas. আন্দামান দ্বীপ (কালাপানি)—The Andamans. লোহিত সাগর—The Red Sea. বেদ—The Vedas. পঞ্জাব লৈবাক—The Punjab. দাক্ষিণাত্য—The Deccan. সিন্ধু—The Indus. ব্রাহ্মপুত্র—The Bramhaputra ইরাবতী—The Irawati টেমস তুরেল—The Thames. বিন্ধ্য চিংশাং—The Bindhyas দক্ষিণভারত দ্বীপপুঞ্জ—The Indies. বঙ্গ সাগর—The Bay of Bengal রামায়ণ—The Ramayana. মহাভারত—The Mahabharata. বাইবেল—The Bible.

অসুম্না তুরেল, চিংশাং, ইথৎ মপৈ, সমুদ্র, ধর্মগী লাইরিক অর্থ নাইবা লৈবাক থোইদোকপা খরগী মমাংদা Article "The" অসি হাপনৈ।

নুমিৎ—The sun. থা—The moon. থবাম্মিচাক—The star. পৃথিবী—The earth. অতিয়া—The sky. খা—The south. অবাং—The north. অসিনচিংবা মহৌশাগী ওইবা পোৎকী মিংগী মমাংদসু Article হাপকনি।

অহানবা মনা—The first prize.
অনিশুবা অঙাং—The second boy.
অহুমশুবা কা—The third room.
কুনমাথোইশুবা নুমিৎ—The twenty-first day.
খ্বাইদগী ফবা অঙাং—The best boy.
খ্বাইদগী ফত্তবা মী—The worst man.
খ্বাইদগী ফজবা লৈ—The most beautiful flower.

অসিনচিংবা (Ordinal মথংমনাও থংনবা অদুগা Superlative adjective কী মমাংদা) মককদা the হাপকদবনি।

ইংরাজী লোন English.	ইংরাজী জাৎ—The English.
ফরাসী লোন—French.	ফরাসী জাৎ—The French.
বাঙ্গালা লোন Bengali.	বাঙ্গালী জাৎ—The Bengali.
মৈতৈ লোন—Manipuri.	মৈতৈ জাৎ—The Manipuri.

অসুম্না জাৎকী মিংগী মমাংদা the হাপনৈ। হাপত্রবদি তোঙানবা অর্থ থোকই।

A অমসুং An দি মহৌশানা Singular Noun গী মমাংদা অদুগা "The" হায়বা অসিদি Singular অমসুং Plural অনিমক্কী মমাংদা হাপনৈ।

মহৌশানা হেক হায়বদা থংগদবা Noun গী মমাংদা The অদুগা থংঙোইদবা অরেপ্পা লৈতবা Noun গী মমাংদা A নত্রগা An হাপনৈ। A boy হায়রবদি থংত্রিবা, উত্রিবা নত্রগা মমাংদা মাগী রা পম্নখিত্রিবা অঙাং অমা থংনৈ। The boy হায়রবা, মমাংদা মাগী রা পনখরবা অঙাংনি হায়বা থংনৈ।

Singular ওইবা Common Noun গী মমাংদা Article অমা হাপ্পবা য়াদে। যথা— The Cow, উচেক—The Bird, হুই The Dog.

Common Noun গী মতৌগুম্না শীজিন্নত্রবদি Proper, Abstract, Collective অমসুং Material Noun গী মমাংদা Article হাপনদে। তৌইগুম্বসুং

বাঙ্গালা লৈবাক্কী মিল্টন—The Milton of Bengal.
মণিপুরগী ঈশ্বরচন্দ্র—The Iswarchandra of Manipur.
আসামগী প্রতাপসিংহ—The Pratap Singh of Assam.

অসুম্না মী অমগী অতোপ্পা অমগা মান্নবগী প্রমাণ তৌনবদা Proper Noun গী মমাংদা Article হাপনৈ।

করিগুম্বা Adjective কী মমাংদা The হাপতুনা মথাগী অসুমনা ময়াম (Plural) গী অর্থ থংহল্লি।

ইনাকখুনবশিং—The rich.
অচৌবশিং—The great.
থুৎকন-পাঙ্গনবশিং—The powerful.
লাইরবশিং—The poor.

Exercise 3.

Translate into English :—

[1]

মকু অম', পুং অমা, সাহেব অমা, কাম্নবা রা অমা, শজি অহু, লোলা অমা, মুমিৎ, গঙ্গা, বেদ, পঞ্জাব, হিমালয়, বাঙ্গালা লোন, মৈতৈ, অবা লোন, খরাম্মিচাক, ইংরাজী জাৎ, খ্বাইদগী ফবা অঙাং, শগোল হায়বা অসি কাম্নবা জীবনি, ব্রহ্মপুত্র, রামায়ণ, শাম্ন ।

[2]

গ্রহ, আল্পস চীংশাং, মনুসংহিতা, নোংপোক, আন্দামান দ্বীপ মপৈ, বাইবেল, নোংচুপ, মঙাগুবা কা, খরাইদগী তন্নবা অঙাং, আসামী জাৎ, মৈতৈলোন, মণিপুরগী কালিদাস, অতনবশিং, মহাক মণিপুরগী বঙ্কিমবাবুনি, ইনাকখুনবশিং মুংঙাই, খরাইদগী মমৈ, খরাইদগী মকোক, আরব সাগর, পৃথিবী, অতিয়া, ঈগল ।

Sentences

(Subject and Predicate)

ঐ চংলি—I go.
নং ফমই—You sit.
মহাক চেল্লি—He runs.
ঐ তুম্মি—I sleep·
নং ঙাংই—You talk.
মহাক পাই—He reads.

ঐখোয় নোকই—We laugh.
নখোয় লেপ্লী—You stand.
মাখোয় কোই—They walk.
ঐখোয় শান্নে—We play.
নখোয় লাকই—You come.
মাখোয় জগোই শাই—They dance.

চাউবা ঈশৈ শকই—Chaoba sings.
তোম্বা (লাইরিক) ই—Tomba writes
যণ শজিক চাই—The cow grazes.
মধু লাকই—Madhu is present.
মনি লাক্তে—Mani is absent.
নং থেংই—You are late.
মাসি ফৈ—It is good.
উচেক পাই—The bird flies.

মফম পুন্নমক অসিদা ঐখোয়না কনা কনাগী মন্নমদা ভাংলিবগে ? —ঐ, ঐখোয়, নখোয়, চাউবা, মধু, বন অসিনচিংবগী মরমদা ভাংলি। অসুম্না রাহৈ অদুগী মন্নমদা বা অমা ভাংলিবা রাহৈ অদুগী মমিং Subject কৌই। I go হায়রবা অসিদা I (ঐ) গী মরমদা বা ভাংলিবনিনা I না Subject নি। নখোয়না Grammar দা তম্বিবা Nominative হায়বা অদু Subject নি হায়বা য়াই।

অদুগা Subject কী মরমদা হায়রিবা অদুনা Predicate নি, য়েংউ I go হায়বা অসিদা Subject অসিগী মরমদা করি হায়রি— go (চৎলি) হায়রি। অদুনা go অসি Predicate নি। মথক্কী খুদম পুন্নমক অসিদা go, laugh, sit, is good, flies অসিনচিংবা রাহৈ পুন্নমক অসি Predicate ভাক্কনি।

(Subject অমসুং Predicate য়াওবা মথক্কী অসুম্বা) রাহৈ কয়ামক্কমনা লোংবা অর্থ মপুংফাবা রাহৈ পরেং অমমমবু Sentence কৌই। Sentence লোংবগী মরুওইবা মচাক্কি Subject অমসুং Predicate নি। অনি অসি য়াওদনদি রাহৈ ভাক্কনা শাংহনসু Sentence ওইবা য়াদে।

Exercise 4

Translate into English :—

ঐ লেপই। নং ফমই। মাখোয় চেল্লি। ঐখোয় নোকই। নখোয় শান্নে। মাখোয় লাকই। ঐ তুমই। নং জগোই শাই। নখোয় কপই। মাখোয় চৎলি। মহাক চৎলি। ঐহাক লেপই। নখোয় ঈরোই। মধু ফমই। গোপাল কপই। মহাক শান্নে। মাসি ফত্তে। মাসি ঐগী খুৎনি। মাহু ঐগী ফুরিৎনি। হরি পাই। য়োংনা চোংই। উরোক পাই। নোং তাই। মানা শরিক খিংই। মধু মোমোন নোকই। নেনে মং মংই।

Agreement of Subject and Predicate

ঐ চৎলি - I go.	ঐখোয় লাকই—We come.
নং নোকই—You laugh.	নখোয় লেপই – You stand.
মাখোয় চেল্লি—They run.	

তৌইগুম্নসুং,

মহাক চৎলি—He goes.	মা শান্নে—He plays.
চাউবা তুমই—Chaoba sleeps.	মধু ফমই—Madhu sits.
তোম্বা চেল্লি—Tomba runs.	উচেক পাই—The bird flies.
নুমিৎ থোকই—The sun rises.	

মৈতৈলোন্দদি Number অমসুং Person মতুংইন্না Verb কী মশক ওনব। লৈতে। ঐ চাই, ঐখোয় চাই, মহাক চাই অসিনচিংবা মকম পুন্নমক অসিদা চাই হায়বা Verb অসি অমুক মশক ওনবা লৈতে। তৌইগুমসুং ইংরেজী Third Person Singular Number দদি মরু ওইবা Verb অদুদা s হাপতবা য়াদে। Ram goes হায়গদবনি! Ram go হায়বা য়াদে। মীগী মমিংনচিংবা Noun পুন্নমক Third Person ওাক্তনি হায়বা কাউগনু।

Exercise 5.

Translate into English :—

তোম্বা নোকই। থা থোকই। হরি চেল্লি। নবীন লাকই। তোম্বী জগোই শাই। মহাক শাৎৰে। নোং তাই। উচেক পাই। যণ অমা চৎলি। হরি তুমই। ওাঙ্গু ঈরোই। হরি লাইরিক ই। মা কমই। যাদব চোংই। মনি কপ্পি। মুমিৎ তাই। যাদব মোমোন নোকই (Smiles)। পিশক কোঙ্গৈ। শগোল অমা চেল্লী। ওাঙ্গু অমা লাকই। শজি অমা চেল্লী। উচি অমা খোংই (squeaks)। মাসি তাওই। মাহু লুপ্লি। শামু অমা চংলি। চাউগু লেপই। অচৌ শাৎৰে। মহাক (লাইরিক) ই। কামপু কুকি (রা) ওাংঙি। ললিত (মং) মংঙি (dream)। মাঙ্গোঙ্গাও তুই। রাধে চোংই (Jump)। খুড়া (মীনম্বা) ওাংঙি।

Agreement of Subject and Predicate

To be (লৈবা)

ঐহাক অসিদা লৈ—I am here.

ঐখোই ইমুংদা লৈ—We are in the house.

নং উপু মথক্তা লৈ—You are on the box.

মাহাক অদুদা লৈ—He is there.

মাখোই কা অদুগী মমুংদা লৈ—They are in the room.

চাউবা উপু মমুংদা লৈ—Chroba is in the box.

গাড়ী অদু থোংদা লৈ—The crrriage is at the door.

হৌদোং অমা উখাদা লৈ—A cat is under the tree.

উচেক ময়াম অদু উথক্তা লৈ—The birds are on the tree.

Exercise 6

Translate into English :—

(1)

ঐহাক উমংদা লৈ। তোম্বা য়ুমথক্তা লৈ। নখোই তোর্বান্দা (bank) লৈ। ঐখোইমা তুরেন মমুংদা লৈ। চাউবা হি মথক্তা লৈ। নং ক্লাসদা লৈ। মাহাক উপু মথক্তা লৈ। হুই অমা

চৌকি মথক্তা লৈ। যণ অমা ইমুংদা লৈ। তোম্বা থোংদা লৈ। মোইরাংথোম ইম্ফাল তুরেন মপান্দনি। নবীন ইম্ফালদা লৈ। ইম্ফাল হায়বা অসি মণিপুরদনি। মাহাক অতুদা লৈ। মণিপুর হায়বা অসি ভারতবর্ষগী চিংথৈদনি। ঐখোই মফম অসিদা লৈ।

(2)

তোম্বা উথক্তা লৈ। মাধব স্কুল মমুংদা লৈ। ঐ কোটচিন্দা লৈ। শগোল অমা শগোলশংদা লৈ। লঙ্কা হায়বা অসি ভারতবর্ষগী মখাদনি। কলিকাতা গঙ্গা মপান্দনি। মহাক হৌজিক বৃন্দাবন্দা লৈরি। গাড়ী অমা থোংদা লৈ। চাকনিবা অমা থোংদা লৈ। মাহাক লম্বীদা লৈ। যদু মাঙোন্দা লৈ। গৌহাটি ব্রহ্মপুত্রগী মপান্দা লৈ। ললিত মৰুম অতুদা লৈ। তেনবা মযাম খোংনাং মথক্তা লৈ।

The Complement (of the verb to be).

Noun

নহাক নুপামচা অমনি—You are a boy.

মাহাক হুরানবনি – He is a thief.

ঐহাক নুপিমচানি—I am a girl.

মাখোই স্কুলমচানি – They are School boys.

লৈশিং অসি আতরগুলাপনি—These flowers are roses.

Adjective

অতিয়া শংবান্নে—The sky is blue.

নহাক সাংঙি—You are tall

ঐখোয়দি ফৈ—We are good.

মাহাক ফত্তে – He is bad.

রাম থৌজ ন হৈ—Ram is kind.

মফম পুন্নমক অসিদা be (ওইবা) yerb কী মতুংদা মাগী অর্থ মপুংফানবা হাপলিবা Noun অমসুং Adjective পুন্নমক অসি মাগী Complement ৱাক্তনি।

মৈতৈলোন্দদি ই, নি, এ অসিনচিংবা Verb কী খুদম পুন্নমক অসি Complement ওইরিবা Noun নত্রগা Adjective অতুদা তপনৈ। তোইগুম্বসুং মখোয় অতুগী ইংরেজীদা নবা মতমদদি to be (ওইবা) হায়বা verb অমা হাপতুনা মাতুদা Verb কী হৌনবী পুন্নমক তপনৈ। অসুম্না 'মাহাক অপংবনি', হায়বা অসিগী ইংরেজীদা 'He fool' হায়বা য়াদে 'He is a fool' হায়গদবনি। 'রাম থৌজান হৈ' হায়বা অসিগী ইংরেজীদা 'Ram kind' হায়দনা Ram is kind' হায়গদবনি।

Exercise 7

Translate into English :—

রামদি অঙাংনি। তোম্বা অঙাওবনি। মহাক মুংশি হৈতে (cruel)। ঐহাক মিৎতাংবনি। মহাক ওঝানি। মাখোয় ইনাক খুল্লি। নখোয় য়াম্না কৈ। চাউবা ওক্নে। লম্বোইবা অসি মনা পংই। উ অসি বাংই। হরি মশক থী (ugly)। নবীন মথিক নেমই।

Agreement of Subject and Predicate

Have (লৈবা)

ঐগী হুই অমা লৈ—I have a dog.

ঐখোয়গী মণবী অহুম লৈ—We have three cows.

নংগী খুদোপ অমা লৈ—You have a ring.

মহাকী শগোল কাক্ল অমা লৈ - He has a black horse.

চন্দ্রহাসগী খুং মঙাথক লৈ—Chandrahas has five tops.

মাখোয়গী তেনবা অমা লৈ—They have a parrot.

ঐগী কলম অমা লৈ—হায়বা অসিগী ইংরেজীদা হনবা কান্দা অঙাংশিংনা My have a pen হায়গল্লি ; তৌইগুম্বসুং অঙাংশিংনা মথক্তা পীখ্রিবা খুদম পুন্নমক অসিগী মতৌগুম্না I have a pen হায়গদবনি। Have হায়বা Verb অসিগী Nominative I নি।

Exercise 8

Translate into English :—

(1)

ঐগী কলম অমা লৈ। যদুগী মারবোল অনি লৈ। নংগী নপা লৈ। চাউবগী টুপী অমা লৈ মাগী হৌদোংমচা অমা লৈ। য়ুম অসিগী থোং অনি পাল্লি। মণগী মচি পাল্লি। জানুওয়ারি থুমিৎ ৩১ নিনা শাই (has)। তোমাগী মচে মরি লৈ। নখোয়গী নয়ুম লৈ। ছুরিগী মখোক পাল্লি। মহাকী উপু মঙা লৈ। মখোয়গী শামু অমা লৈ। লাইরিক অসি লামাই চামা পাল্লি। ঐ মাতু নিংশিংঙি (in mind)। মাহাক মকোক্তা টুপী উপল্লি। ঐখোয়গী মরুপ অমা লৈ। উচেক মহুম অসিদা মরুম অনি লৈ। ফেব্রুয়ারী থুমিৎ ২৮ নিনা শাই।

[2]

মৌগী মখুৎ অনি পাল্লি। সেপ্টেম্বর থা থুমিৎ কুম্‌ নিনা শাই। লাইরিক অঙাংবা অসি লমাই চামনিফু পাল্লি। ঐনা মাতু কাউদে। মহাক টুপী অমা উপ্পী। দরবারদা অঙম নিপাল লৈ। ছাতিনগী মখোক পাল্লি। উপুগী মখুম পাল্লি। ঐখোয়গী নাকোং অনি পাল্লি। শামুগী শাংলবা মন্নাতোন অমা পাল্লি। মহাক মকোক্তা কোয়েৎ য়েৎলি। খুং অমদা ৎশা মঙা পাল্লি।

The Object

ঐনা থা উই—I see the moon.

ঐনা লৈ মনম নমই—I smell the flower.

নং মীনম্না হা ভাংই—You tell a lie.

মানা মাগী পাম্না খংই—He knows his lesson.

মাখোয়না ঈশৈ অমা তাই—They hear a song.

যদুনা ঐবু কুই—Jadu beats me.

তোম্বনা ঐবু চাল্লি—Tomba loves me

মফম পুম্নমক অসিদা উবা, তাবা অসিনচিংবা Verb পুম্নমক অসিগী মতুংদা করি উবগে, করি তাবগে হাযবা বাহৈ অমা হাযদ্রবদি ব'হৈ মপুং ফাজ্রি হায়বা খংঙি। অসুম্না Verb কী অর্থ অদু মপুং ফাহন্নবগীদমক চোংথোলকইবা বাহৈ অদু Verb অদুগী Object নি। Object লৈবা Verb অদুবু Transitive Verb কৌই। মৈতৈলোন্দদি অহানবদা Nominative অদুদগী Object অসি Verb কী মতুং ইল্লি।

মৈতৈলোন— ঐনা থা উই।

ইংরাজী— ঐনা উই থা।
I see the moon.

Exercise 9

Translate into English :

চাউবনা ফুটবল কাওই। ঐনা টেবিল মথক্তা কলম থমই। মহাক্তা মিতুংথোং থুগাই। মামনু ঐনা কুই। তোম্বনা ঐগী লাইরিক লৌই। নহাক শঙ্গোম থবই। মাখোয় ভা ফাঈ। য়োংনা হৈনৌ চাঈ। ঐখোয় শগোল কাংজৈ শান্নে। নখোয চুরুট থকই। যদুনা ঐঙোন্দা কলম অমা পী। মাখোয়না ঐঙোন্দা মাসি হায। ওজানা ঐখোযদা ল'ই অম য়েংহল্লি মহাক্তা ঐবু থ'জৈ। ঐনা অঙাংমচ অমা উই। মহাক লৈ পাই। নঙ'ক মাবু মুংশি। ঐখ যনা মাবু কৌই।

Transitive Verbs with Two Objects

মহাকনা ঐখোয়দা লাই অমা য়েংহল্লি—He shows us a picture.

ওজানা ঐখোয়বু ইংরাজী তম্বী- The teacher teaches us English.

ঐনা মাঙোন্দা পৈশা অমা পী—I give him a pice.

চাওবনা ঐঙোন্দা চিঠী ই—Chaoba writes me a letter.

পাজিনা ঐঙোন্দা মাদু হায়—My father tells me that.

অসুম্না show, give নচিংবা Verb পুম্নমক অসিগী মতুংদা Object অনি অনি লৈ।

Exercise 10

Translate into English :-

[1]

মমানা মচাদা অথুম অহাও পী। ওজা নবদ্বীপদা ঐখোয়বু অহ্ণ তম্বি। তোম্বিনা চাক্রিবা অহুদা কি অমা পী। মনিনা ঐঙোন্দা মাগী শাম্নপোং য়েংহল্লি। যাদবনা মনাওদা চিঠী ই। হরিনা ঐখোয়দা মাসি হায়। ওজানা অঙাংশিংদা বাহং অসি হংই। হেড মাষ্টরনা মাবু লুপা অনি জরিমানা তৌই। মানা ঐঙোন্দা চা তেঙ্গোং অমা পী।

[2]

অঙাংবা লৈ অসি য়াম্না ফজে। মখোয় য়ুমথক্তা লৈ। যদুবাবু কুলগী ওজানি। হৌদোং অমা চাখুমদা লৈ। বৃন্দাবন যমুনাগী মপান্দনি। ছুরিগী মখোক পাল্লি। লাইরিক অহু লামাই নিঙ্গু পাল্লি। ওজানা ছাত্রশিংবু ইংরাজী তম্বি। অঙাংশিংনা খোংগাওবী শান্নৈ। মাখোয় শান্নরি (at play)। ঐনা মাঙোন্দা লাইরিক অমা পী। তোম্বীনা ঐবু থংই। হরিনা মপাদা চিঠী ই। মহাক খুদোপ শী। ঐগী মণবীনা অঙৌবা অমা লৈ। মহাক মীনম্বা বা ভাংডি। লৈশিং অসি থরোকি। প্রেসিডেন্টনা মাবু লুপা ৫০ জরিমানা তৌখি।

The Present Indefinite

সুমিংনা নোংপোক্তা থোকই—The sun rises in the east.

ডাকপিয়ননা চিঠী পুরকই—The postman brings letters.

ঐহাক শঙ্গোম থকই—I drink milk.

নখোয়দি শা চাই—You eat meat.

মহাক্না মিংশেল্দা মশক য়েংই—He sees his face in the mirror.

ঐখোয় অফবা অঙাংনি—We are good boys.

নহাক অতনবনি—You are idle.

মহাক থৌজাল হৈ—He is kind.

ঐগী কলম অমা লৈ—I have a pen.

মহাকী মণবী অমা লৈ—He has a cow.

অসুন্না মহৌশানা তৌবা, ওইবা Verb কী মতমনা Present Indifinite ওই।

Exercise 11

Translate into English ;—

(a) মহাক সুংখিন্দা তুমই। মখোয়না ঐগী ইডেং পাংবি। তোম্বনা বল কাওই। জাতিবনা উচি কাই। নংনা লৈতুম হল্লি। মহাক্না ঐবু ঈল্লি। ঐখোয়না মাবু ইকাইখুম্নৈ। গৌরমনিনা

মনাওবু চুপই। তোম্বনা শরিক থিংই। চাউবনা মক্কি গুরি। ভানুনা পুখ্রিদা ঈরেংঈ। চাউবনা লৌ থোই। অমুক্তা থম্বাল শাংলি (bloom)। চাউবা লৌ থাওই। (reap)। প্রিয়বাবুনা হারমনিয়ম খোংলি (play on)। মিস্ত্রিনা যুম শাই। মাহাক ফুরিৎ তুই। হনুবীনা লং নাই spin)। দামোদরনা ঐবু খুজিম্না শীকই (pinch)। মাহাক উচেক কাপই (shoot)। মনিনা থাউমৈ থাল্লি (light)।

(b) ঐ তল্লি। হৈনৌ হায়বা অসি থুমই। শামু হাযবা অসি মখোং মরি পানবা (four footed) জীবনি। অঙাং অসি মমিৎ তাংঙি। নং য়াম্না হৈশিংই। য়াউ হায়বা অসি য়াম্না তপই। নাহাক য়াম্না থৎনগল্লি (quaelsome)। সনা নাপু মাল্লি। চিনি থুমই। উ পাম্বী অসি যাংই। নখোই চাউথোকই। ঐখোয় যাম্না কৈ। মাখোয়দি ওক্তে। মধু নোল্লুকই। রাজপুতশিং থৌনা কৈ। হৌজিক পুং ৮ তারে। চাউবা হায়বা ইনবা অঙাংনি।

(c) ঐগী ইনাও অহুম লৈ। তোম্বগী হৌদাং অমা লৈ। যণগী মখোং মরি পাল্লি। য়ুম অসি থোং মরি পাল্লি। এপ্রিল থুমিৎ ৩০ নিনা শাই। ঐগী ইচাম্নপা অমা পোকই। মাধবকী ঘড়ি অমা লৈ। শামুগী মনাতোন পাল্লি। ইচেগী শগোল অমা লৈ। নবকিশোরগী পেন্সিল অনি লৈ। নখোয়গী লুই মঙা লৈ। মাখোযগী যণসাবা অমা লৈ।

The Past Indefinite

To be and To have

ঐহাক য়ুমদা লৈরম্মী—I was at home.

মহাক নারম্মী—He was ill.

যদু তুমলম্মী—Jadu was asleep.

ঐখোয় হরাওরম্মী—We were happy.

নখোয থৌনা করমই—You were brave.

মখোয় মথৌ কল্লম্মি—They were busy.

অহিং অহু মমলম্মি—The night was dark.

পুখ্রি অহু লুরম্মি—The tank was deep.

ঐগী যশী অমা লৈরম্মি—I had a cow.

ঐখোয়গী তেনবা অমা লৈরম্মি—We had a parrot.

Was কী plural were অমসুং has কী past tense had ওই

Exercise 12

Translate into English :—

(1)

ঐহাক শাউরমই। ঐগী পাজী মহৈমশিং হৈবা নী ওইরম্মি। মৈতৈ হায়বা অসি খুৎকন পাঙলমই। মধুবাবুনা ঐগী ওঝা ওইরমই। অঙাং মঙা লাক্রমদে। মাহাক য়াম্না নোয়রম্মি। মাখোয় হায়বা ইন্নম্মি। হৈনৌশিং অহু শংলম্মি। লৈ অসি মনম হুংশিন্নম্মি। চাওবা লাক্লমী। ঐগী শগোল মোরা অমা লৈরম্মি। লম্বী অহু শাংলম্মি। ঐখোয়গী হৌজোং অমা লৈরম্মি। হুমিৎ অহু ঈংলম্মি। লাইরিক অহু উপু মন্নুংদা লৈরম্মি।

(2)

ঐ চা থকই। থানা অহিংদা ভাল্লি। মাহাক কৈথেন কাথি। মণগী মখোং মথি পাল্লি। মানা ঐঙোন্দা মাগী অশংবা লাইরিক অহু উংখি। মাহু ফজরবা শগোলনি। মাগী মমৈ অমত্তং মশোং য়াম্না ফজে। কৈ অমা নিতিগী অসিদা লাকই। মাহাক অচুম্বা ভাংতি। ভাগ্যচন্দ্র মণিপুরগী নিংথৌ ওইরমই। হরিগী শজি অমা লৈরমই।

Special uses of

To have and To have been.

ঐহাক কোক চিকই—**I have a headache.**

মাহাক অরুম হৌরমই—**He had fever.**

চা তেঙ্গোং অমতং থকউ—**Have a cup of tea.**

মাহাক উদগী তারমী—**He had a fall from the treee.**

চাউবনা শঙ্গোম গিলাস অমা থকখি—**Chaoba had a glass of milk.**

ঐহাক কলিকতাদা অনিরক চংলুরে—**I had been to Calcutta twice.**

তাদদি বৃন্দাবন থক চংলুদ্রি—**My elder brother has never been to Brindaban.**

মাহাক গৌহাটি চংলুরে—**He had been to Gouhati.**

ঐহাক দীল্লিদা অমুক চংলুরে - **I had been to Delbi onee.**

Exercise 13

Translate into Engli h :—

ঐহাক অরুম হৌরে। মাহাক কলিকাতাদা অহুমলক (**thrice**) চংলুরে। তোম্বনা চা তেঙ্গোং অনি থকখি। মাহাক মকোক চিক্লুনা নারে। মাহাক খবোং নারে (**bad leg**)। মাহাক নারে। আসাম লাট অসি মণিপুরদা অনিরক লাক্রে। মাহাক্তি বৃন্দাবন মঙারক চংলুরে।

ঐদি শিলোংদা থক চৎলুদ্রি। মাহাক শগোন্দগী তাখি। মাগী ময়া নারম্মী। চাউবনা কমলা অমা চারম্মী। ঐখোয় চাকলোন (Dinner) চাখি। মাহাক সংস্কৃত খংদে (has no Sanskrit)। ঐদি কাংলা খোক্কে। ঐহাক ইচন মোইরাংদা অমুক চৎলুরে। মনি বজোম থরা থকখি। মাহাক ইতোন কাইরম্মী। মধু সিড়িদগী তাখি। তোম্ব শিলোংদা অমুক ময়োকরে। বাত্রানা সংস্কৃত খংদে (has no Sanskrit)। মাদি শুগ্ন চৎলুরে। মাদি ঐগা খংনদে। তোম্বনা গাড়ীদগী তারম্মী। মাহাকী মমিং নারম্মী। চা অসি তোঙ্গাং অমতং থকখো।

Introductory, "There"

টেবল মথক্তা লাইরিক অহুম লৈ – **There are three books on the table.**

মফম অসিদা থোইবা হায়বা মুপামচা অমা লৈরম্মী—**There was a boy named Thoiba here.**

চীং অসিগী মথক্তা মুনি অমা লৈরম্মী —**There lived a hermit on this mountain.**

ইমুং অসিদা কনাম্ব লৈতে—**There is no one in this house.**

কুইনা নোং তারকত্রে—**There has bee no rain for a long time.**

জাপান্দা করা মুহাম্নাখি—**There was a great earthquke in Japan.**

মফম অদুদা য়ুমকৈ অমত্তা লৈরমদে—**There were no houses there.**

মাদুগী মরমদা চিংনফম লৈতে—**There is no doubt about it.**

কালেন্দা নোং তাদে—**There is no rain in the Summer.**

অসিনচিংবা মফমদা Sentence অহৌবদা There শীজিন্নবা অসি ঐখোয়না তোরুনা উবা ফংই। মফম পুম্নমক অসিদা There গী অর্থ মফম অদুদা হায়বগাক নত্তে। There অসিগী মৈতৈলোনগী অর্থ থোইদোকপা অমা লৈতে হায়বম্ব য়াই। মাসি Sentence হৌনবগী শাদে ওইনা ইংরেজীদা শীজিন্নৈ। মাসিবু Introductory There কৌই।

Introductory there লৈরবদি verb না মাগী Nominative অদুগী মমাংদা থাগনি।

Exercise 14

Translate into English :—

পুখ্রিদা ঈশিং লৈতে। ঐখোয়গী হৈকোন্দা হৈনৌ পাম্বী হোদে। কোম্বোংদা চাকনিবা অমা লৈ। কাশীদা লাইশং (temple) য়াম্না লৈ। কোহিমাদা ডাকঘর অমা লৈ। ঙসি পুং ১১০ তাবদা চন্দ্রগ্রহণ (Lunareclipse) তৌগনি। মণিপুরদা বভ্রুবাহন কৌবা নিংথৌ অমা পান্নমই। (reigned)। উপু অদুদা করি অমত্তা য়াওরমদে (nothing)। ঙসি নোং মুংশিং তৌগনি। হৈনৌ পাম্বী মথক্তা কাক মতম অমা লৈ। গাড়ী লাক্রেদো। পুখ্রিদা থম্বাল য়াম্না শাংলি।

নারক অসিদা কৈ অমা লৈ। বাতোন্দা তেনবা মরি তোংলি। পাম্বীদা হৈনৌ অমুনবা অমতম্থু লৈতে। লম্বীদা খোংনাং অমা হৌই (there stood)। ঐগী ইতেং পাংখিনবা কনা অমতা লৈতে। ঐখোয়গী কা অসিদা মিচুংথোং মরি লৈ। মঙাশুবা শ্রেণীদা অঙাং য়াংখৈ লৈ। মণিপুরদা ডাকঘর অমতা লৈ। শগোলশংদা শগোল চামা লৈ। মাহুদা কয়িস্থু চিংনকম লৈতে। মাহুদা তোল্লবী হমুবী অমস্থু লেপলম্মী। স্কুল অসিদা শুপ্না অঙাং চহুম লৈ।

The Itroductory "It"

হৌজিক পুং মাপল তারে—It is nine o'clock now.

পুং তরাগা মিনিট তরামঙা চংখ্রে—It is a quarter past ten.

পুং অমা মখাই তারে—It is half past one.

হৌজিক অমা তাগদবা মিনিট কুন বাংলি—It is twenty minutes to one

নোং তারি—It is raining.

ঙসি য়াম্না ওলাংডি—It is very hot to-dav.

হৌজিক চংপা ফরগনি—It is better to go now.

নং নত্তনা থবক অসি তৌবা ওইথোক্তবনি—It is impossible to do the work without you.

ঐনি—It is I.

নংনি -It is you.

লেন তাখি—It hailed.

হৌজিক কালেন থানি—It is snmmer now.

মাসিদদি য়াম্না ইংই—It is very cold here.

মোইরাং মাইল কুননিপাল লাপই—It is twenty eight miles ta Moirang.

শেকমাই মাইল তরানিথোইনি—It is twelve miles to Shekmai.

মথক্কী Sentence পুম্নমক অসিদা গী, কী অর্থ 'মাসি' 'মাহু' হায়বা অর্থদা থংনবা নত্তে; মসিস্থু Sentence হৌনবগী পাথৈ ওইনা ইংরাজীদা শীজিন্নৈ। 'It' অসিগী অর্থ থোইদোকপা অমা মৈতৈলোন্দা লৈতে হায়রবস্থু য়াই (মাসিগুবা 'It' অসিবু Introductory 'It' কৌই)।

Exercise 15

Translate into English :—

[1]

হৌজিক পুং তরা তারে। ওয়াং নোং তাখি। ঙসি য়াম্না ইংই। পুং অনি তাগদবা মিনিট তরামঙা বাংলি। মসিদা পোত্থাবনা ফগনি। পুং তরা মখাই তারে। নত্তে, তরা তাগদবা

মিনিট তরামঙা বাৎলি। অসিদগী ডিমাপুর মাইল চামা কুপ্‌মরি লাপই। হৌজিক নিংথম থানি। হৌজিকপু পুং তরামাথোই তাদ্রুনা মিনিট তরা চৎখররা? হৌজিকমক শিংলোংদদি য়ামনা ইংভি। ইং। লেন তারে। ইম্ফালদগী শুগ্ন্ মাইল নিফু লাপই। ওসি নিংথৌকাবনি। নং লাক্লমমাগ্নে হায়না নিংই। ঐনি, অমুক কিগনু। অসিদগী লমাংদোং মাইল তরানিপাল লাপই। হৌজিক পুং অহুমগা মিনিট তরামঙা তারে। ঙরাং নোং তাখি।

[2]

নহাক বৃন্দাবন চৎলুরবরা? শামুগী ফজরবা ময়া অনি পাল্লি। মফম অসিদা ফত্তবা মী অয়তা লৈতে। হৌজিক পুং তরা তাগদবা মিনিট তরামঙা বাৎলি। পাক্তিনা গৌহাটিদা মঙারক চৎলুরে। চা তেঙ্গোং অমতং কানবিয়ু। উথাদা শগোল অমা লৈ। হৌদোং অহু কমুং মথক্তা লৈ। শামন্দুনা চৎথোকপা য়াদ্রে। ইম্ফালদগী কোহিমা মাইল ৮৭ লোমনি। নিংথমথাদা নোং তাদে! মহাক অক্রম হৌখি। হন্দক কলিকাতাদা যুহারাখি।

The Past Tense

চাওবা বেঞ্চ মথক্তা লেপলম্মী— Chaoba stood on the bench.

তোম্বনা থবক অহু তৌরম্মী—Tomba did the work.

ঐহাক শঙ্গোম থক্লম্মী—I drank milk.

মাখোয় চৌকি মথক্তা ফমলম্মী—They sat on the chair.

মহাকনা ঐঙোন্দা কলম অমা পীরম্মী—He gave me a pen.

মহাক ঐগীদা লাক্লম্মী—He came to me.

মধুনা মিহুৎথোং থুগায়রম্মী—Madhu broke the window.

অস্থুমা মমাংদা তৌথরবা, লোইথরবা Verb কী Past Indefinite Tense ওইগনি।

Run (চেনবা)	Ran (চেল্লম্মী)
Know (খংবা)	Knew (খংলম্মী)
Go (চৎপা)	Went (চৎলম্মী)
Fall (তাবা)	Fell (তারম্মী)
Bite (চিকপা)	Bid (চিকলম্মী)
Eat (চাবা)	Ate (চারম্মী)
See (উবা)	Saw (উরম্মী)
Sing (ইশৈ শকপা)	Sang (শকলম্মী)
Speak (ঙাংবা)	Spoke (ঙাংলম্মী)

Take (লৌবা) Took (লৌরম্মী)
Write (ইবা) Wrote (ইরম্মী)
Rise (থোকপা) Rose (থোকলম্মী)
Fly (পাইবা) Flew (পাইরম্মী)

Exercise 16

Translate into English :—

চাইবা এচিঠি ইরম্মী। তোম্বা নিতিগী কৈথেন কাম্মী। ঐখোয় মাসি থংলম্মী। ছুই অমনা হুন্থবী অমা চিকলম্মী। ঐহাক হৈনৌ চারম্মী। তোম্বা ইশৈ শকখি। হুমিং থোক্লম্মী। উচেক অমা পাইরম্মী। মহাক অচুম্বা ভাংলম্মী। মহাক উদগী তারম্মী। মহাক্না ঐবু মাগা লোয়ননা পুবিরম্মী। ঐনা যণ অহু উরম্মী।

Blow (শিংপা) Blew (শিংলম্মী)
Flow (চেনবা) Flew (চেল্লম্মী)
Grow (হৌবা) Grew (হৌরম্মী)
Bring (পুরকপা) Brought (পুরক্লম্মী)
Think (খনবা) Thought (খল্লম্বা)
Buy (লৈবা) Bought (লৈরম্মী)
Sell (য়োনবা) Sold (য়োল্লম্মী)
Tell (হায়বা) Told (হায়রম্মী)
Find (ফংবা) Found (ফংলম্মী)
Sting (মমুনা থিনবা) Stung (মমুনা থিনবা)
Make (শাবা) Made (শারম্মী)
Ring (খিংবা) Rang (খিংলম্মী)
Wake (হৌগৎপা) Woke (হৌগৎলম্মী)
Win (ভম্বা) Won (ভমলম্মী)
Begin (হৌবা) Began (হৌরম্মী)
Feed (পীজবা) Fed (পীজরম্মী)

Exercise 17

Translate into English :—

[1]

চৌকিদারনা শরিক খিংলমই। অঙাংশিংনা পাবা হোরমই। মাহাক্না ছাতিন অমা পুরক্লমই। চাউবনা কবি থারমই। ঈশ্বরনা ঐখোয়বু শেম্বিরমই। পরিজাৎনা অহানবা মনা ফংখি (won)। মাহাক্না ঐঙোন্দা মাসি হায়রমই। ফুটবল শীংনবা অহু ঐখোয়না পোইখি (won)। ঐহাক পুং ৬ তাবদা হৌগৎলমই। কাঙ অহুনা ঐবু চিকখি। মুংশিং তপ্পা তপ্পা শিংখি। মাহাক বাঁশী খোংলমই (flew)। ঐনা থলমই। মাহাক্না ফজরবা য়ুম অমা শারমই। ঐনা পেন্সিল অমা ফংলমই। চাউবনা মাগী শগোল য়োনখি। ঐনা তেনবা অহুবু হৈনৌ পীজরমই।

[2]

মতম অমদা ভারতবর্ষদা ভরত কৌবা চাউরবা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। মাহাক্না কৈথেল কারুই। ঐ লমদাংদোংদা চেং তাইকই। স্কুলগী চৌকিদারনা শরিক খিংখি। তোম্বা মিহুৎথোং থুগাইখি। মাহাক লাইরিক পাবা হৌগৎখি ং মুমিৎনা নোংপোক্তা থোকই। মাহাক লাংথবান্দগী শগোল মোরা অমা লৈখি। চিংদোন্দা মহাদেবগী লাইশং লৈরম্মী।

Call (কৌবা) Called (কৌরম্মী)
Trust (থাজবা) Trusted (থাজরম্মী)
Start (খোংশানবা) Started (শান্দোমলম্মী)
Cook (থোংবা) Cooked (থোংলম্মী)
Light (থানবা) Lighted (থাল্লম্মী)
Boil (ফুৎপা) Boiled (ফুৎলম্মী)
Live (লৈবা হিংবা) Lived (লৈরম্মী)
Love (চানবা) Loved (চাল্লম্মী)
Wash (শুবা) Washed (শুরম্মী)
Clear (শেংদোকপা) Cleared (শেংদোক্লম্মী)
Kiss (চুপ্পা) Kissed (চুপলমই)
Play (শান্নবা) Played (শান্নরমই)
Help (মতেংপানবা) Helped (মথেংপাংলমই)
Push (ঈনবা) Pushed (ঈল্লমই)
Look (য়েংবা) Looked (য়েংলমই)

Talk (ৱাংবা)	Talked (ৱাংলমই)
Say (হায়বা)	Said (হায়রমই)
Answer (খুম্বা)	Answered (খুমলমই)

Exercise 18

Translate into English :—

(1)

তোম্বনা ঐগী মতেং পাংবিরমই। মানা ঐবু ইল্লমই। অঙাংশিংনা ফুটবল শান্নখি। মাহাক্না থা য়েংলমই। ইমানা ঐবু চুপ্লিখি। ওজানা ঐবু চাল্লমই। মানা মাগী পারা হায়রমই। মানা ৱাংহং অহু খুমলমই। মধুনা মচেবু কৌখি। ঐনা নংবু থাজরমই। ঐখোয়না পুং ৮ তাবদা শান্দোক্লমই। ইচেনা চাক থোংলমই! মফম অসিদা হন্নুবা অমা লৈরমই। চাউবনা মমাই তাখি। মোহননা থাউমৈ থানখি। মপানা ইশিং লুমখি। তোম্বনা মাধবপু ইনখি। ঐনা মাগা ৱাংনরই।

(2)

রামনা সীতা অমস্তুং লক্ষ্মণগা লোয়নননা বন্দা চংখি। মাখোয়না পঞ্চবটী বন্দা মতম কুইনা লৈখি। নোংমা পঞ্চবটী বন্দা রাবনগী মচন হিংচাবী অমা লাকখি। মাহাক্না রামদা মাবু লৌবিয়ু হায়খি। তৌইগুম্বস্তুং রামনা য়াথিদে। মাহাক্না সীতা চাগে তৌখি। লক্ষ্মণনা মাগী মনাতোন ককথংখি। মাহাক্না মবুং রাবনদা তমখি।

Cut (ককপা)	Cut (ককলমই)
Put (থম্বা	Put (থমলমই)
Read (পাবা)	Read (পারমই)
Hurt (কুবা)	Hurt (কুরমই)
Beat (ফূবা)	Beat (ফূরমই)
Hit (য়ৈবা)	Hit (য়ৈরমই)
Set (তাবা)	Set (তারমই)
Learn (তম্বা)	Learnt (তমলমই)
Teach (তম্বিবা)	Taught (তম্বিরমঈ)
Keep (থম্বা)	Kept (থনমঈ)
Catch (ফাবা)	Caught (ফারমঈ)
Sleep (তুম্বা)	Slept (তুমলমঈ)
Weep (কপ্পা)	Wept (কপ্পলমঈ)

Buy (লৈবা)	Bought (লৈরমই)
Fight (লান শোক্লবা)	Fought (শোক্লরমই)
Tear (শেগাইবা)	Tore (শগাইরমই)
Shoot (কাপ্পা)	Shot (কাপলমই)
Send (থাবা)	Sent (থারমই)

Exercise 19

Translate into English :–

[1]

ওজানা ঐবু অঙ্ক তম্বিখি। পুলিসনা হুরানবা অদুবু ফাখি। মানা ঐবু ফুরমই। মুমিৎ তাখিরবই। তোম্বা মুংঙাইনা তুমখি। মানা যনবী অমা লৈরমই। মুপী অদুনা লাউনা কপলমই। মাখোয়না অমগা অমগা লান শোক্লরমই। চাউবনা ঐগী লাইরিক শেগাইরমই। সিপাই অমনা উচেক অমা কাপথুরমই। গোকুলচান্দনা লাউমা পাখি। মানা মুকফু অদু টেবিল মথক্তা থমলমই। মানা থাংনা পেন্সিল শেমখি। মনিনা লাইরিক অদু আলমিরাদা হাপচিনখি মানা মাগী পারা ওরাইখি।

[2]

ঐহাক কলিকাতাদা চৎলু। ভরাং পুং মথা তাবদা ঐহাক অসিদা থুংঙরে। কলিকাতাদা ফজ্জ ফজরবা দোলান য়ান্না উরকই। ট্রাম গাড়ী চেনবা উরকই। কলিকাতা হায়বা অসি ফজরবা সহরনি। ঐনা আলিপুরদা শায়োকশং য়েংবা চৎলুই। মাহুদা নোংশা কৈনচিংবা য়ান্না লৈ।

Transitive Verbs with an Object and a Complement

মহারাজনা কাদোক অদুবু থাদোকপিখি—The Maharaja set the prisoner free.

মাখোয়না তোম্ববু শিনা ফংঙই—They found Tomba dead.

মাহাক্কা ঐবু কেরাণী হাপ্লিরে – He has appointed me a clerk.

মাখোয়না মাবু সভাপতি খনখি—They elected him Chairman.

নিংথৌরেমা অতুব বাবুবু নাইট ওইহল্লে—The Emperor has made Atul Babu a Knight

Exercise 20

Translate into English :—

মহারাজনা মাবু দরবার মেম্বর হাপ্লিরে। মাদি মপাবু শিনা থেংনরুরে। কীর্ৎনেগী হুমিস্তা নিংথৌনা ফাদোক অমা থাদোকই। সেক্রেটারীনা ঐবু ৭ শুবা ওক্তা হাপলে। ময়াম্না নবদ্বীপ বাবুবু সভাপতি হাপখি। সরকারনা মাবু ব্যবস্থাপক সভাগী মেম্বর খনখি। লাট সাহেবনা মাবু মাজিষ্ট্রেট হাপখি। সম্রাটনা মাবু নাইট ওইহল্লে। ঐনা মুপী অহু জ্ঞান লৈতনা ফংঙরে। ঐদি মাবু তুম্মিডৈদা থেংনকরে। প্রেসিডেন্টনা মাবু হেড কেরাণী হাপখি। মাহাক শিঙ্গুনা তুখি। মাখোয়না মাবু শিবমথৈ ফুরে। মাহাক্না মমাবু মশা ফত্তনা উরি। মনিনা মনাওবু শিদনা থেংনখি।

The Present Continuous Tense.

ঐহাক স্কুল চৎলি—I am going to school.
ঐখোয় তেলঙ্গা পাইরি—We are flying kites.
নাহাক মঙ্গোম শুমলি—You milking the cow.
মাহাক চিঠী ইরি—He is writing a latter.
মাখোয় ঈশিং থকলি -They are drinking water.
মধুমঙ্গল ঈশৈ শকলি Modhumangol is singing.
যণ শজিক চারি—The cow is grazing.
নুংশিৎ শিৎলি—The wind is blowing.

অস্নুম্না থবক অমা হৌজিকমক তৌহুনা লৈরিবা :লোইদ্রিবা থংনবা মতম অহুদা Verb অহুগী Present Continuous Tense ওই। মৈতৈলোন্দা মরুওইবা Verb অহুদা রি, লি হাপতুনা Verb কী Present Continuous Tense ওই। ইংরেজীদদি to be (ওইবা) হায়বা Auxiliary Verb কা লোইননা Verb পুম্নমক অহুদা ing হাপ্লুনা মাগী Present Continuous গী মওং ওই।

অডাংশিংনা You are speak the truth নত্রগা You are speaking the truth হায়না ইগল্লি ; তৌইগুম্নমুং মাখোয়না you are speaking the truth ইবনা চুম্মি। "To be" Verb কা লোয়নরবদি মাগী মরুওইবা Verb অহুদি মাগী Present Participle মওং ওইহন্দবা য়াদে শোইদা ing অসি হাপকদবনি।

Exercise 21

Translate into English :—

(1)

চাওবা কোমুং কারি। নোং তারি উচেক পাইম্রি। ষণ শজিক চারি। তোম্বা ঙা ফারি। যদু লাইরিক পারি। মহারাজ চেপলি। নবীন পানা চারি। মুংশিং কম্না শিংলি। থোইবা শমবোং খোইরি। ওজা লুক হারি। ইমা ফি শূরি। তাদা লৈপাক তৌরি। চন্দ্রহাস পান্না পারি। ঐখোয় ফুটবল শান্নরি। মহাক কোইবা চৎলি। নহাক ইশৈ শকলি। মাখোয় খৎনরি। তোম্বী চাক থোংলি। তাদহন অঙ্ক তৌরি। মনি লাউনা নোকলি।

[2]

মাহাক কাংজৈবুংদা শান্নরম্মী। ঐগী ওজাদি কোমুং কাখ্রে। অঙাংশিং ক্লাসতা লাইরিক ঔবাইরি। তোলমু ইম্ফাল তুরেন্দা ঈরোইখি। আসামগী লাটসাহেব মণিপুরদা লাক্লে। মাহাক মোংইবাংদা চয়োল অনি লৈরমই। মধুমঙ্গলনা কজরবা ফুরিং অমা তুখি। মাহাক ঙরাং কলিকাতা চৎখ্রে।

Ihe Prerent Pesfect Tense

ঐ পাবা ফাবে—**I have learnt my lesson.**

ঐখোয়না হৈনৌ মঙা চাবে—**We have eaten five mangoes.**

(নহাক্কী অদু) লাল্লে - **You have made a mistake.**

মহাক ডিমাপুরদা চৎখ্রে **He has gone to Dimapur.**

মাখোয়না নবকিশোরবু ফুবে—**They have beaten Nabakishor.**

ইবোতোন যমুমদা লাক্লে - **Iboton has come home.**

নুমিৎ তাখ্রে **The sun has set.**

অসুম্না চারে, লাকলে অসিনচিংবা হৌজিক্কা লোইবতা ঙাইরিবগুম্বা মতমদা **Verb** কী **Present Perfect Tense** ওই। মাসিদা **to have** হায়বা **Auxiliary Verb** কা লোইননা মরুওইবা **Verb** কী **Past Participle** হাপতবা যাদে। অঙাংশিংনা ইগল্লি—**I have forgot my les on** তৌইগুম্মুং মাখোয়না **I have forgotten** নত্রগা **forgot my lesson** ইবনা চুমই।

Past Participles

Rise (থোকপা)	**Risen**
Tear (শেগাইবা)	**Torn**
See (উবা)	**Seen**

Write (ইবা)	Written
Take (লৌবা)	Taken
Speak (ঙাংবা)	Spoken
Know (খংবা)	Known
Draw (য়েকপা)	Drawn
Drive (থৌবা)	Driven
Hide (লোংপা)	Hidden
Break (থুগাইবা)	Broken
Fall (তাবা)	Fallen
Give (পীবা)	Given

Exercise 22

Translate into English :—

(1)

মহাক্কী ফুরিৎ শেগাইরে। ঐদি বেলুন উরে। চাউবনা শ্লেট অমু লোৎখরে। মাখোয়না মিক্তংথোং অমু থুগাইরে। যমু উদগী তারে মানা ঐঙোন্দা কলম অমা পীরে। নহাকমু মাছু খংলে। ঐহাক চরা রাল্লে। পাজিনা চিঠি অমা ইরে। তুমিৎনা নোংপোক্তা থোকলে। নহাক্না অচুম্বা ঙাংলে। মাহাক্না যণ হোইরে। তোম্বীনা শামু অমা য়েকলে।

(2)

পাজি ওয়াং থুংলরে। যমু লাইরিক তম্বা গৌহাটিদা চৎখরে। মফম অসিদা কুইনা নোং তাল্লে। মাহাক্না হৈনৌ অমু চাখরে। তোম্বী মাছু পাখরে। মনি শিরে। চাউবনা লাই অমা য়েকলে। মাহাক্না ঐঙোন্দা কজরবা হৈনৌ অমুনবা অমা পীরে। লালা পরীক্ষা পাশ ওইরে। মাহাক ইতিহাসতা নম্বর হুমফুদা মফংঙি।

Look (য়েংবা)	Looked
Fetch (লৌকবা)	Fetched
Hear (তাবা)	Heard
Open (হাংদোকপা)	Opened
Taste (মহাও তংবা)	Tasted
Ask (হংবা)	Asked

Dig (তৌবা)	Dug
Sing (শকপা)	Sung
Swim (ঈরোইবা)	Swum
Lie (হীপ্পা)	Laid
Catch (ফাবা)	Caught
Shut (থিংবা)	Shut
Read (পাবা)	Read
Smell (মনম নম্বা)	Smelt
Reply (খুম্বা)	Replied
Say (হায়বা)	Said

Exercise 23

Translate into English :—

[1]

দাবোগানা হূবানবা অমা ফারে। ঐহাক ইশৈ অনি শকলে। মাহাক কূইনা ইরোইরে। ভোম্বনা থোং থিংজিল্লে। মাহাক্না পন্দুপ অমা পাবে। চাওবনা লাইরিক লৌরুরে। ঐথোয়না মাতু মুন্না যেংলে। পাজিনা হৈনৌ মহাও তংলে। মাহাক্না কোম অমা তৌরে। ঐহাক তোম্বীগী ইশৈ তারে। ঐহাক থম্বাল মনম নমলে। মাহাক্না অস্থুম্না হায়রে। ঐনা অঙাংশিংদা মাসি হংলে।

[2]

ওজানা মাসি ঐথোযদা তাকপিবে। মাহাক্না হৌজিক্তা ডিমাপুরদা খোংশান্দোকখরে। হরি কোহিমা চৎপা তাখি। ঐহাক মাসি তৌবা তারি। মাধব হিদাক চাবা তারি। নবীন শিবা তারে। রাধা অদুদা চৎপদা তাবি। মাহাক মোইবাং চৎখরে। ঐহাক অসিদা লৈবা তারি। পাজি বৃন্দাবন চৎখরে।

The Present Perfect Continuous

ঙরাং নুমিদাংৱাইদগী নোং তাবকলি—It has been raining since yesterday evening.

ঐহাক অয়ুক্কগী পারা ঔবাইবক্রি—I have been learning my lesson since the morning.

মাহাক ফেব্রুয়ারী থাদগী নারকলিবনি—He has been ill since February.

পাজিদি চহি ৪ অসি নাহুনতা লাবলিবনি—My father has been ill for four years

নুপী অসি কূইনা কপলকলে—The woman has been crying for a long time.

অসিনচিংবা মফম অসিদা verb পুম্নমক অসিনা থবক অমা মমাংদগী হৌরকতুনা হৌজিক ফাওবা লোয়ড্রি তৌদুনা লৈরি হায়বা খংনরি। অসিগুম্বা মফম অসিদা verb কী present perfect continuous মওং ওইগদবনি। It is raining হায়রগা It has been raining হায়বগা মায়দে। It is raining হায়বদি চুম্না হৌজিক নোং চুরি হায়বতা খংনৈ। অদুগা It has been raining হায়রবদি মমাংদগী হৌরকুনা হৌজিক ফাওবা নোং চুদুনা লাক্লি হায়বা খংনৈ।

অককনবা মতম অমদগী হৌদুনা হায়বা অর্থদা since অদুদা মতম অসুপ কুইনা (চুপ্পা) হায়বা অর্থদা for শিজিন্নগনি।

Exercise 24

Translate into English :—

লহান্দগী নোং চুরক্লি। ওরাংদগী চিঠি ইরক্লি। মাহাক ওসাইদগী তুমলক্লি। উচেক অসি হাকুমদগী খোংলক্লি। মাখোয়না থবক অসি হাকুন্দগী তৌরক্লি। ঐহাক ওরাং মুমিদাংদগী অরুম হৌরে। মাহাক থা ৩ অসি নাদুনতা লাক্লে। চাউবা কুইনা তুমখে। অঙ্ক অসি তোম্বনা ৭ নি চুপ্পা তৌরক্লিবনি। ঐহাক ওসি অয়ুক্তগী লাইহৌ হৌরক্লি। চাউবদি ওসি ৯ নি অসি অঙ্ক অসিদা তৌদুনা লাক্লিবনি।

The Future Tense

ঐহাক কৈথেল কাগনি—I shall go to market.

মাহাক হয়েং অয়ুক লাক্কনি - He will come to-morrow morning.

ঐ স্কুলদা লাইরিক তম্বা চৎকনি—I will go to school to learn.

অসুম্না ওইরক্লিবা থবক্কী মতমদা verb কী future tense ওই। মৈতৈলোন্দা verb তা গনি, কনি, দৌরি অসিনচিংবা হাপ্পুনা verb কী future tense ওই; ইংরেজীদদি অসুম্না মরু ওইবা verb কী মমাংদা shall নত্রগা will হাপ্পুনা verb কী future tense ওইগনি।

The uses of "Shall and Will"

মহৌশানা shall হায়বা অসি first person দা অদুগা will হায়বা অসিনা second person দা শীজিনৈ। মরমদি :—

ঐ কৈথেন্দা চৎকনি।
I shall go to the market.

মাহাক স্কুলদা চৎকনি।
He will go to school.

Will হায়বা অসি First person দা শীজিন্নরবদি পাম্বগী অর্থ খংনৈ।

I will go to school.

ঐ স্কুলদা চৎকনি হায়বা অসিদা চৎনিংবগী ভাব লৈ।

তৌদবা য়াদে নত্রগা কিন্থনবা খংনবদা First person দা Will অদুগা Second অমসুং Third person দা Shall শীজিন্নৈ।

নং (শোযদনা) দণ্ডি ফংগদবনি।
You shall be punished

মহাক চত্তবা যাদে।
He shall go

ঐহাক শোযদনা ইগদবনি।
I will write.

তৌইগুম্বসুং হংবা খংনবদা First person দা Will হায়বা অসি থক শীজিন্নদে।

ঐহাক স্কুলদা চৎসিবা ?—
Shall I go to school ?

হায়গদবনি। তৌইগুম্বসুং will I go to school হায়বা লাল্লি।

Exercise 25

Translate into English :—

চাউবা গুসি স্কুলদা লাক্কনি। ঐহাক মোইবাং চৎকদৌবি। তোম্বা নখোয়দা লাক্কদ্রা ? ঐ কৈথেন্দা চৎসিবা ? মাহাক (শোইদনা) চিঠি ইগদবনি। নহাক স্কুলদগী চেনবগীদমক্তা দণ্ডি ফংগদবনি। ঐ হৃংচিং কলিকাতা চৎকনি। পুং মাপল লাবদা ঈশৈ হৌগনি। থা অহুম গুবগী পরীক্ষা মশেম হৌগনি। রামনা হয়েং ডিমাপুর চৎকদৌরি। নহাক ডাকঘর চৎকদৌরিবরা ? নহাক চত্তবা য়াদে। ঐহাক মেট্রীকুলেশন পরীক্ষা পীগে নিংলি। চাউবীনা নোংমা লাক্কনা তোম্বীবু যেংলগনি। ঐহাক বোন্নং বাগদৌবি। রাজেন্দ্র লিলা য়েংবা চৎকনি।

Nouns having the same from in both numbers

এগী য়াও অনিথক লৈ—I have two sheep.

উপেন্দ্র বাবুনা শজি অহুম ফাখি—Upendra Babu caught three deer.

চিংথক অসিদা তোপ মরি লৈ—There are four cannon on this hill.

অমু নাগাগী ওক তরাথক লৈ—Amu Naga has ten swine.

ঐগী মার্ব্বল ডজন অহুম লৈরম্মী—I had three dozen marbles.

ঐনা নঙোন্দা মার্ব্বল ডজন অমা পীগনি—I will give you a dozen marbles.

উপুদা পেন্সিল গ্রোস মরি লৈ—There are four gross of pencils in the box;

ঐনা পেন্সিল গ্রোস অমা য়োনখ্রে—I have sold a gross of pencils.

Exercise 26

Translate into English :—

ঐগী পেন্সিল ডজন মঙাখক লৈ। ঐনা নঙোন্দা কলম ডজন অমা পীগনি। তোম্বগী য়াও অমা লৈরমই। মপানা মাগী য়াপ অহুম অমস্থু লৈবিরে। কিল্লা মমুংদা তোপ অহুম লৈ। লহান তোপ অমদি চিংথক্লা পুথংখি। রড়সাহেবনা শক্তি মাপল কারকই। দোকান্দার অসিগী কলম গ্রোস তরা লৈ। মানা গ্রোস অমদি হান্না য়োনখরে। হাওশিংগী ওক য়াম্না লৈ। খুপখোলেটকী ওক অমা শিরে। শক্তি অমা নিত্তিগী লৌবুক অসিদা লাকই।

Possessive and Demonstrative Adjectives

ঐগী লাইরিক ঙাংই—My book is red;

মুপা অদু হুরানবনি—That man is a thief.

অঙাংশিং অদু ওক্কবনি—Those boys are naughty.

নুপী অসি থৌনা ফে—This woman is brave.

মাসি ঐগী লাইরিক্নি—This is my book.

লাইরিক অসি ঐগীনি—This book is mine.

মাদু ঐগী লাইরিক্নি—That is my book.

লাইরিক অদু ঐগীনি—That book is mine.

মাদু নংগী কলমনি—That is your pen.

কলম অদু নংগীনি—That pen is yours.

মাসি মাগী হৌদোংনি—This is his cat.

হৌদোং অসি মাগীনি—The cat is his.

মাসি পুন্নমক ঐখোয়গী পেন্সিলনি—These are our pencils.

পেন্সিল পুন্নমক অসি ঐখোয়গীনি—These pencils are ours.

মাদু পুন্নমক অদু মাখোয়গী খোংউপনি—Those are their shoes.

খোংউপ পুন্নমক অদু মাখোয়গীনি—Those shoes are theirs.

My, our, your, her, their হায়বা possessive adjective পুম্নমক অসি noun গী মথাংদা হাপনৈ। অদুগা mine, ours, yours, hers, his, theirs হায়বা possessive adjective পুম্নমক অসিগী মতুংদা থংননা (adjective কুম্না) noun লৈবা য়াদে ; মাখোয় অসিদি to be (ওইবা) verb কী complement ওয়া শীজিন্নৈ।

Exercise 27

Translate into English :—

নংগী নমিৎ ডাংই। ছাটিন অসি ঐগীনি। লাইরিক অসি মাগীনি। মাসি ঐখোয়গী কলমনি। য়াহং অসি য়াম্না লুই। হৌদোং অসি নংগীনি। ঐগী ইমিংদি চাওবী কৌই। পুম্নমক অসি ঐখোয়গী কলমনি। য়ুম অসি মাখোয়গীনি। মাসি লমহৌদোংনি। নংগী নচে অদু শিরে। যণবী অসি মাগীনি। হৌজিক্তি মাসি নংগীনি। পুথী অসি ঐখোয়গীনি।

Interrogative Sentences

(1)

ঐহাক অপংবনি—I am foolish.
ঐহাক অপংবরা—Am I foolish ?
নহাক অফবা অঙাংনি—You are a good boy.
নহাক অফবা অঙাংলা—Are you a good boy ?
মাহাক নারে—He is ill.
মাহাক নারবরা—Is he ill ?
যদু অসিদা লৈ—Jadu is here.
যদু অসিদা লৈবরা—Is Jadu here ?
ঐখোয়দি ফজে—We are beautiful.
ঐখোয় ফজবরা—Are we beatiful ?
চাউবা লাকলমই—Chaoba was present.
চাউবা লাকলম্বরা—Was Chaoba prese t ?
মাখোয় হরাওরমই—They were glad.
মাখোয় হরাওরম্বরা—Were they glad ?
পাউ অদু অচুম্বনি—The news is true.
পাউ অদু অচুম্বরা—Is the news true ?
মাহাকী হুই অমা লৈ—He he a dog.
মাহাকী হুই অমা লৈবরা—Has has a dog ?
ঐগী কলম অনি লৈ—I have two pen.
ঐগী কলম অনি লৈবরা—Have I two pens ?

মথক্কী অহুংবা থংনবা sentence পুম্নমক অসি Interrogative Sentence ওাকুনি। খৈতেলোন্দগী verb তা, বা লাম্চিংবা থুদম হাপলগা নত্রগা করিগুম্বদা থোনকম ওয়গনু অহানবা থাইস। Sentence গী মঙ্গংদা বাহৈগী কমকম ওনবা তৌদে। তৌইগুম্বসুং ইংরাজীদদি মাদু নত্তে। To be (ওইবা), To have (লৈবা) হায়বা verb অসিনা মরুওইবা verb ওইনা লৈববদি verb না মাগী Nominatiue গী মমাং থাগা Interrogative Sentence ওই।

Exercise 28

Translate into English :—

লৈশিং অসি ফজবরা ? নংবু নোম্বা কনবা অঙা লা ? এখোয় লৌশিং শিংবরা ? মাহাক লাক্তবরা (absent) ? উচেক অসি ঙাংববা ? মাগী শামু লৈবরা ? মাখোয মপা লৈবরা ? তোম্বগী হৌদোং লৈজববা ? ঐ অসি ত্তন্দবা ? নংবু ফজববা ? মাখোয অক্তবা অঙাংলা ? নহাক অচুম্বা ঙাংবা মীবা (truthful) ? লাইব্রিক অসি অহনববা ? নংগী নানেদি হন্নবী নংত্রা ? অঙাং অদু তুমলম্মত্রা (sleep) ? মাগী মচে লৈরমত্রা ? বল্লাও অসি মুরম্ববা ?

Interrogative Sentenccs (2)

ঐহাক নোংকই—I laugh.

ঐহাক নোকপবা — Do I laugh ?

ঐখোয় স্কুলদা চংলি — We go to school.

ঐখোয় স্কুলদা চংপবা — Do we go to school ?

নহাক বা ঙাংঙি—You talk.

নহাক বা ঙাংব্র — Do you talk ?

মাহাক ফম্মি—He sits.

মাহাক ফমব্রা—Does he sit ?

চাউবা লেপ্পি—Chaoba stands.

চাউবা লেপপ্রা—Does Chaoba stand ?

অম্বন্না Nominative কী মমাংদা Do হায়বা Auxilary verb হাপত্তুনা Interrogative Sentence শেম্মি।

অম্বম্না অনৌবা Do অসি হাপত্তুনা Interrogative Sentence ওইরবদি Do অদুদা হাম্নগী Verb অদুগী Person অমসুং Tense গী মতুং ইনপনি হায়বা কাউগনু। মুম্না য়েংউ :—

I run—Do I run ?

We run—Do we run ?

You run—Do you run ?

He runs—Does he run,

Tomba runs—Does Tomba run ?

I ran—Did I run ?

He ran—Did he run ?

Tomba went—Did Tomba go ?

The dog barked—Did the dog bark ?

তৌইশুগ্নসুং মশানা হাল্লা Auxiliary Verb য়াওবমলবদি Auxiliary Verb অদুনা Nominative কী মমাং থাহল্লগা Interrogative Sentence হেক্তা ওই।

ঐ চৎলি—I am going

ঐ চৎলিববা—Am I going ?

মাহাক লাকলে—He has come.

মাহাক লাকলববা—Has he come,

নং নোকলি—You are laughing.

নং নোকলিববা—Are you laughing,

মাখোং কপলকলি—They have been crying.

মাখোয় কপলকলিববা—Have they been crying ?

ঐ চৎকনি—I shall go.

ঐ চৎসিরা—Shall I go ?

Exercise 29

Translate into English :—

মাহাক লাইরিক তম্বা চৎলিবরা ? যতু নোকপরা ? ষণ শক্তিক চারম্বরা ? তোম্বা চাক চাখরবরা ? মনি ঈশিং থকখিবরা ? মাহাক লাকদ্রা ? ঐহাক মপান থোকচবা য়াগদরা ? চাউবীনা চাক থোংলবরা ? ঐহাক ভাইহাক তুমখিসিরা ? তোমু মযুমদা চথরবরা ? মাহাক চৎপা ভমগদরা ? সাহেব আফিসদা লাক্লবরা ? মাধবনা তোম্ববু যুববা ? নচে ফি শুখিবরা ? নংগী ওজা লাকলবরা ? নন্দোন ফুমলোদা চৎলুবরা ? নপাবুং কোম্নুংদা লেংগদরা ? মমানা ভা ফাখিবরা ? ঐহাক দোকান্দা চৎসিরা ? ননাও লাকদরা ? ইরোই কারকলবরা ? মুংশিৎ শিংলিবরা ? নোং অসিবু নহান্দগী চুরক্লিবরা ?

Who, Which and What

নুপামচা অসি কনাদো—Who is that boy ?
ইমুংদা কনা লৈবগে—Who is there in the house ?
ৱাহৈ অসিগী অর্থ কনা খংবগে—Who knows the meaning of this word ?
অচুম্বা লম্বীনা কদাইনো—Which is the right way ?
নখোয়গী ক্লাসদা কনানা খ্বাইদগী হেন্না ফবা অঙাংনো—Which is the best boy in your class ?

নংগী মমিং করি কৌবগে – What is your name ?
করি তৌরবগে—What is the matter ?
মাসি করিনো –What is that ?
হৌজিক করম তৌগনি—What is to be done now ?

অস্নুম্না who, which অমসুং what না sentence গী Subject ওইনা লৈরবদি sentence দা ৱাহৈগী ফমভম কায়বা লৈতে।

নংনা লম্বীদা কনাবু উবম্বগে—Whom did you see on the road ?
নহাক কনাবু থিরিবনো—Whom do you want ?
লাইরিক অসি কনাদা পীসিগে—To whom shall I give this book ?
নহাক করি পাম্বগে—What do you want ?
মাখোয় করি তৌরিবগে—What are they doing ?
ঐনা নহাক্কীদমক করি তৌবা ঙমগনি—What can I do for you ?

অস্নুম্না who, which অমসুং what না Sentence গী Object ওইনা লৈরবদি ৱাহৈগী ফমভম অস্নুম্না ওই।

Object	*Auxiliary*	*Subject*	*Verb*
Whom	do	you	want
What	do	you	mean
What	are	they	doing

Which অমসুং what অসি করিগুম্বদা Nominative অমসুং Object কী Adjective কুম্না শীজিন্নবা য়াই।

করম্বা অঙাংনা মিহুংথোং থুগাইথিবগে—Which boy broke the window ?
করম্বা লাইরিক্না হেন্না ফবগে – Which book is better ?
ভারতবর্ষদা করম করবা উ হৌবগে – What trees grow in India ?

অসিনচিংবা Sentence অসিদা which অমসুং what না Sentence গী Nominative কী Adjective কুম্না শীজিন্নবা মরম্না ৱাহৈ পরেং অসিদা ৱাহৈগী ফমভম ওনবা তৌদ্রে।

নংগী করম্বা যম্বী মাংম্রে—Which cow have you lost.
নহাক করম্বা ক্লাসতা তমম্বগে What class do you read in ?

অসিনচিংবা মফম অসিদা which অমসুং what না what না Object কী Adjective কুম্না লৈবা মরম্না sentence গী মঙুংদা বাহৈগী ফমভম ওন্নে।

লাইরিক অসি কনাগীনো—Whose book is this ?
নহাক কনাগী মচানো—Whose son are you ?
মাসি কনাগী ময়ুমনো—Whose house is this

অসুম্না who না Possessive Case ওইনা শীজিন্নবা মতমদা Obeject নত্রগা Complement না Verb অমসুং মাগী Nominative কী মমাংদা লৈগনি।

Exercise 30

Translate into English :—

মাসি করিনো ? তোম্বী করি তৌরিবগে ? করম্বা অঙাংনা লাইরিক অসি শেগাইবগে ? কা অসিদা কনা লৈবগে ? মাসি কনাগী শ্লেটনো ? করম্বা পেন্সিলনা শাংবগে ? নহাক্না কনাবু ফুরুবগে ? ভারতবর্ষনা করি থোকপগে ? দ্বীপ কদাইবু কৌবগে ? কনানা অসি তৌবা উবগে ? নহাক করম্বা যগনা পাম্বগে ? নপা করি তৌরি ? পুং কয়া তারে ? মুপা অসি কনানো ? নং কনা উরম্বগে ? হৌজিক কনাগী মতাং থোকলবগে ? মাসিবু কনাগী মচানো ? কনানা মকোক ওইরবগে ? করম্বা টুপীনা নংগীনো ? মাসিগী অর্থ করিনো ? হৌজিক করম তৌসিগে ? নহাক্না হায়রিববু কনাগী বানো ? তেনবা করি চাবগে ? লাই অসি কনানা সেকপনো ? নংগী মামদি কনানো ? লাকইবা অসি কনাগী মনাওনো ? অতৈ কনা লাকপগে ?

Who, Which and What as Objects of Prepositions

ননাওনা কনাগা লৈমিন্নখিবগে—Whom did you your younger brother live with ?
নংনা কনাদা ডাংঙিবনো—Whom are you speaking to ?
পৃথিবী অসি করম তৌবগে—What is the earth like ?
নহাক করি কিবগে—What are you afraid of ?
নহাক করিনা ইবগে—What do you write with ?
মাহাক করিগী অসিদা লাকইবনো—What has he come here for ?
নহাক করিগী মরমদা খল্লিবনো—What are you thinking about ?

Exercise 31

Translate into English :—

ঐহাক মপান থোকচরুবা য়াগদ্রা ? নহাক্কী নমিং করি কৌবগে ? মাহাক কলিকাতা চৎলুব্রা ? করম্বা মতমদা গাড়ী থাগদগে ? মীনম্বা ঙাংতুনা করি তোংজবা লৈবগে ? মৈথু অসি কদাইদগী কাররিবনো ? মাসি কনাগী ময়ুম্নো ? নংগী খুৎই ফজব্রা ? নংনা করিগীদমক তোম্বগী লাইরিক শেগাইরুবগে ? কোম্থোংদা চাকনিবা মুপা অহু লৈহৌব্রা ? নং ঙরাং স্কুল কাররুবা করিগীনো ? কয়া কুইনা ঙাইরমমু হায়বগে ? নং নারুব্রা ? নহাক অসিদা করিগীদমক লাকইবনো ? নং মণিপুরদা পোকপরা ? নং করি ফম নাইরিবগে ? মাহাক লহানমথৈ কদাইদা লৈরুবগে ? মাহাক পরীক্ষা ঙম্মোইদ্রা ? যহু লাংথাবান কোম্নুংদা চৎলুদ্রা ? করিগীদমক নংগী ককশ্রিবনো ? নহাক করম্বা লাইরিক পাম্বগে ? পৃথিবীগী মওং করম তৌবগে ? নং নয়ুমদা চৎলিবা নত্রা ? ঐনা অম্ব অসি যুমদা তৌরকউ হায়খিদ্রা ? ঐবু ঙশি তুম্বা শংজগদ্রা ? নহাক্না হাররিবা অহুদা চিংনবা লৈতে। করি তৌরবগে॰ নকোক চিকই হায়বা অহুরা ?

Interrogative Sentences (Contd.)

When—করম্বা মতমদা।

নং করম্বা মতমদা হৌগৎপগে—**When do you get up ?**

নহাক করম্বা কালদা স্কুল চৎপগে—**When do you go to school ?**

চাউবা করম্বা মতমদা লাকনি—**When will Chaoba come ?**

Where—কদায়দা।

ঐগী লাইরিক কদাইদনো—**Where is my book ?**

নহাক কদাইদগী লাকপনো—**Where do you come from ?**

তোম্বী কদায়দা লৈরম্বগে—**Where did Tombi live ?**

Why—করিগী।

নং নোকইবা করিগীনো—**Why do you laugh ?**

মাহাক অম্ভুপ থেংঙিবা করিগীনো—**Why is he so late ?**

নং ঙরাং স্কুল কাররুবা করিগীনো—**Why did you not come to school yesterday ?**

How—করম্না।

নং করম্না পাম্লিবগে—**How are you ?**

বকুলনা থবক অসি করম্না তৌখিবনো—**How did Bokul do the work ?**

How many—কয়া।

ক্লাস তরুক শুবদা অঙাং কয়া লৈবগে—**How many boys are there in the Class six ?**

How much—কয়া য়াম্না।

নংগী কবোক লৈনবা শেল কয়া লৈবগে—**How much money have you got to buy sweetmeat ?**

Exercise 32

Translate into English :—

অঙ্ক অসি মতৌ করম্না তৌগনি ? নখোয়গী শ্রেণীদা অঙাং কয়া তম্বগে ? নহাক করিগীদমক কপ্পিবনো ? মাহাক ইম্ফালদা কয়ানি লৈগনি ? নং কয়া য়াম্না চৌরবগে (**how far**) ? মাখোয় মচিন-মনাও কয়া শুবগে ? হয়িংখোইগী মখোং কয়া পানবগে ? হরি ইংরাজী পাবা থোকপরা (**how to read**) ? নহাক চহি কয়া শুরবগে (**how old**) নংগী নয়ুম কয়া লাপ্পগে ? চিঠি অসি ইবদা কয়া কুইনা চংগনি (**to take**) ? শ্লেট কদায়দনো ? মাসি কনাগী হুইনো ? যাদব কবিগী কপলিবনো ? ওজা অচৌবনা নংবু ফুবা করিগীনো ? নংগী লৌপারি কয়া লৈবগে ? নমাগী শোরাক্তা নংগী শেল কয়া চংখ্রবগে ?

Negative Sentenses

এহাক শোল্লি—**I am weak.**
ঐহাক শোন্দে—**I am not weak.**
নহাক অদুদা লৈ—**You are there.**
নহাক অদুদা লৈতে—**You are not there.**
মাহাক ফে—**He is good.**
মাহাক ফত্তে—**He is not good.**
তোম্বা খৌরাংলম্মী—**Tomba was thirsty.**
তোম্বা খৌরাংলমদে—**Tomba was not thirsty.**
লাইরিক অসি ঐগীনি—**This book is mine.**
লাইরিক অসি ঐগী নত্তে—**This book is not mine.**
মাখোয় থৌনা ফরম্মী—**They were brave.**
মাখোয় থৌনা ফংলমদে—**They were not brave.**

মথক্কী **Sentence** পুম্নমক অসিদা নত্তবা, ওইদবা থংনবা **Sentence** পুম্নমক অসি **Negative Sentence** ওাক্কনি। মথক্কী অসুম্না **To be verb** না মরু ওইবা **verb** ওইনা লৈবা মতম অসিদা **be** হায়বা **verb** অসিগী মতুংদা **not** হাপচিল্লগা **Negative Sentence** হেক্তা ওই। তৌইগুম্বসুং মরুওইবা **verb** অমনা **Axiliary Verb** কা লোইননা লৈরবদি **not** অসি **Principal** অমসুং **Auxiliary Verb** কী মথক্তা লৈগদবনি।

He is going - He is not going.]
They have gone—They have not gone.

অহুগা Auxiliary Verb য়াওরবদি Interrogative Sentence দা তৌবগুম্বা do হাপ্পা তাই।

মাহাক চৎলি—He goes.
মাহাক চত্তে – He does not go.
ঐ নোকই—I laugh.
ঐ নোক্তে—I do not laugh.
নহাক লেপলমই—You stood.
নহাক লেপলমদে—You did not stand.
চাউবনা হৈনৌ অমা চাখি—Chauba ate a mango.

চাউবনা হৈনৌ অমা চাখিদে – Chauba did not eat a mango.

(No গী অর্থসু অমুম তৌই হায়ববু তৌইগুম্বসুং শীশিন্নকমদি মায়দে no দি Noun গী মমাংদা হাপকদবনি)।

নহাক থবক অমতা ফংদে—He has got no employment.
চাউবগী কলম অমতা লৈজদে—Chauba has no pen.
কা অমুদা থাওমৈ অমতা লৈতে - There is no lamp in the room.
নংদি নথৌনা লৈতে – You have no courage.

Exercise 33

Translate into English ;—

ঐহাক স্কুল কারোই। নহালদি ঐহাক কোনুং কাক্রে। মীগী অফবা উচুনা থক মিহৌরুগমু। গাড়ী থুংডগ্রি। অহ অসিদি নংসু ঐসু ওন্মরোইদবনি। ঐদি নংবু মুংশিদে। মহাক্কি ঐডোম্দা চিঠি অমতসু ইরক্তে। নোং তাদবসু য়াই। অমোৎপা ঈশিং থক থক্নু। মুম অসিদা কনাসু লৈতে। অসিগুম্বা ফিদি কদাইদসু ফংডোই। মাদি ফত্তবা অডাং নত্তে। মাখোয়দি থৌনা ফত্তে। ছাতিন অসি ঐগী নত্তে। ঐদি মেজ মথক্তা লেপতে। মাহাক শা চাদে। যদু চুরুট থক্তে। কাঙ্গাই ঈরোইবা হৈতে। ঐহাক কাংজৈ শান্নদে। মহাকী শগোল অমতা লৈজদে। চাউবা যঙ্গেম চাদ্রা? মহাক অসিদা লাকওইদ্রা? নবীন পারা কাদে। ঐহাক ইশৈ শকপা হৈত্তে। যাত্রা অসিদা লৈত্রা? নং বৃন্দাবন চৎলুদ্রিবরা? নং লাইব্রিক ফংদ্রিবরা? নংগী কলম অমতা লৈত্রা?

Negative Sentence (Contd.),

ঐহাক মাহুদা মতমচানা থুংবা ঙমখিদে – I could not arrive there in time.
নহাক অসিগী অর্থ খংব্রা—Do you not know the meaning of this ?
ঐ ঙসি স্কুলদা চৎলোই—I will not go to school to day.
মেজ মথক্তা লাইরিক অমতা লৈতে—There is no book on the table.
নংদি থবক অসিগী মতিকচাবা নত্তে—You are not fit for the post.
য়ুম অসিদা কনাসু লৈতে—There is nobody in the house.
ঐদি মাসিগী মরমদা করিমতা খংদে—I know nothing about it.
মফম অদুদা মতেং পাংবিনবা কনা অমতা লৈরমদে—There was none to help him.

মসৈগী Sentence অছুম অসিদা অঙাংশিংনা ইগল্লি।

(1) There is not nobody in the house.
(2) I do not know nothing about it.
(3) There was not none to help him.

তৌইগুম্বসুং অঙাশিংনা মুল্লা য়েংগদবদি nobody, nothing, none নচিংবা ৱাহৈশিং অসিদি মশানা Negative কী অর্থ খংনবনি। মাসিগা লোইননা no, not নচিংবা ৱাহৈ অসি শীজিন্নরোই। য়াওরবদি মাগী Negative কী অর্থ অদুদি থোক্লরোই। অসুম্না—

মাখোয়গী মরক্তা অমতসু মাহুদা চৎখিদে—Neither of them went there.
কা অমতদসু থাউমৈ লৈতে—Neither room has a lamp in it.
মাসু ঐসু অমতা কৈথেন কারুদে—Neither he nor I went to the market.
থক মীনম্বা ৱা ঙাংগনু—Never tell a lie.
ঐহাক থবক অসি তৌবা ঙমদে—I am unable to do the work.
মাদু ওইথোক্রবনি—It is impossible.
মহাক মচা পোক্তে—She is childless.
ঐহাক নোক্তবা ঙমদে—I can't help laughing.
মাহাক করি কাম্নদমা মীনি—He is a good-for-nothing fellow.
নং নত্তনদি লাইরিক হৈবা ঙম্মোইদবনি—But for you, I should have remained illiterate.

Exercise 34

Translate into English :—

চাক চজিক থক চাগনু। নংবু য়েংবিনব কনানু লৈতে। মহাক করি অমত্তা তৌরমদে। স্কুলদা কনা অমত্তা লৈরমদে। অতিয়া অসি লৈচিন থাংদে। চাওবনু মখুনু স্কুল কারক্তে। ঐ ওদি কৈথেল কারা চংমোই। ঐ কপ্পবা ঙমলমদে। হরি নত্তনদি থবক অসি তৌবা ঙমোই। মহাক অকিবা লৈতে। সভা অহুম্বা কনা অমত্তা লাক্রমদে। ঐগীনি হায়নিংঙাই অমত্তা লৈরমদে। মকম অমত্তনু মাবু উরমদে।

The Imperative Mood

অসিদা লাও—Come here.

য়ুমদা চৎলু—Go home.

ওজানা হায়বা ইন্নু—Obey your teacher.

নখুৎ থাংৎলু—Put up your hand (hand up).

ঐঙোন্দা য়েংবিয়ু—Kindly look at me.

ফম্বিয়ু—Please take your seat.

অমুম্না মাথং পীবা, হায়ক্তবনচিংবা অসিদা Verb কী Imperative Mood ওই। মথকী মফম পুম্নমক অসিদা Subject "you" অমা understood লৈ হায়না খংনগনি।

অদুগা First নত্রগা Third person দদি let হাপত্তুনা Imperative Mood ওইহনৈ।

Let us go.

লাও, ঐখোয় শান্নরসি—Come, let us go and play.

য়েংসি—Let me see it.

পেন্সিল অমত্তা পীয়ু—Let me have a pencil.

মহাক অসিদা লাকসনু—Let him come here.

Exercise 35

Translate into English :—

অচুম্বা না ওাংউ। ঐঙোন্দা থৌজানবিয়ু (be kind)। চিঠি অসি। ইয়ু। থুদাদা লেংশিনবিয়ু। বেঞ্চ মথক্তা লেপউ। থোংউপ থোংখোকউ। মীগী মপোৎ চক্লামগনু। ঐবু ঙাকপিয়ু। পৈশা-ওয়ালাশিংদি চৎথরসনু। পেন্সিল অমত্তা পীবিয়ু। কাংজৈবুংদা চৎসি। মপান অমুক্তা থোকচগে। লাইখুরম্বু। তনগনু। লাই অসি য়েংউ। অমুক্তা য়েংসি। মহাক তুমজখিসনু। শান্নরশি।

শিসনু। অসিদা লাকুমা ফমউ। মপান খোকচরুগে। নংগী ওজাবু নুনা তৌ। কজবা ঈশিং থকনু। হরি অসিদা লাকসনু। তোয়ীবু পান্না পাহনু। কিগনু। পান্না পাখৌ। কজনা ইয়ু। অসুম্বা থক তৌগনু। ননাওবু চান্নু। চাক্লিবা অসিদা কি অমত্তং পীখো।

Optative Sentences.

মহাক কুইনা পুনশিসনু—**May he live long**

নুংঙাইয়ু—**May you be happy।**

মং মুৎলো—**May you be ruined।**

ফত্রবদো হৌজিকমক শিরসনু—**May the rogue die at once।**

অসুম্বা নিংবা, পান্বনচিংবা থংনবা **Sentence** পুম্নমক অসি **Optative Sentence** ওাকনি ; মথক্কী **Sentence** পুম্নমক অসিদগী ঐখোয়না উরে—মহোশানা **Sentence** গী মমাংদা **May** হায়বা **Auxiliary** অসি হাপতুনা **Optative Sentence** ওই।

করিগুম্বদা **May** য়াওদনসু শেম্বা য়াই।

ঐখোয়গী নিংথৌ পুনশিসনু—**Long live our king।**

ঈশ্বরনা ঐখোয়গী নিংথৌরেনবু কনবিসনু—**God save our emperor।**

ঈশ্বরনা নং আশীর্বাদ তৌসনু—**God bless you।**

Exercise 36

Translate into English :—

তোম্বা নুংঙাইনা পানসনু। ঈশ্বরনা যুবরাজবু ঙাকপিসনু। নং কুইনা পুনশিয়ু। নংগী নচা অসি মহৈমশিং হৈসনু। নং ওসিদগী ইনাকখুনবা ওইরসনু। নচা অসি কুইনা পুনশিসনু। নিংথৌনা ঐখোয়গী হৌরবা অপুম্বা ঙাকসনু। লাইনা নংবু চানবিসনু। ঈশ্বরনা মহারাণীবু কনবিসনু। ঐখোয়গী মহারাজনা নুংঙাইনা পানসনু। নং নুংঙাইনা পাললু। য়ামগী চাওখৎপা ওইসনু। মহাক মুৎলসনু। নং তুম্মু। নং মাইপাকপা ওইয়ু। মাহাক মী ওইসনু।

Adverbial Obejects

চেকপল অসি ফুট মাপল য়াংভি **The wall is nine feet high.**

ঐখোয় পুং অনি শান্নরম্মী—**We played two hours.**

ঐখোয়গী খুন্দি স্কুলদগী মাইল তরা লাপ্নি—**Our village is ten miles distant from the school.**

পুখ্রী অসি খুদুপ কুন লুই—**This tank is tweenty cubits deep.**

পার্শেল অসি সের অমমথাই লুমই This parcel weighs a seer and a half.
চেং মন্দা লুপা অহুম পীরি Rice is three rupees a maund.
ঐখোয় খুংশন্নবা চৎসি—Let us walk hand in hand.
খাত্তিন অসিগী মমল পুপা অহুম পী—The umbrella is worth three rupees.

(মকন পুন্নমক অসিদা মতম অরাপ্পা, মশীং মমলনচিংবা খংনবা noun পুন্নমক অসি verb কী Adverb কুম্না লৈরে ; অতুনা মখোয় অসি Adverbial object ভাকুনি ।

Exercise 37

Translate into English : —

লৈপন অসি ফুট মরি বাংডি। ঐহাক নিতিগী পুং অনি পাই। চেংগী খাউ অসিগীদমক লুপা ৫ নি। ভাইহাক্কা ভাইখো। কুহা অসি কুট ১৮ লুই। হৌজিক চেং মন্দা লুপা ৪ পীরি। খোংবান অসি ফুট মরি লুই। মাহাক মখোং মখুৎ পুল্লমী। মাখোয় মাইয়োকননা ফমলম্মী। ঘড়ী অসিগী মমল লুপা কুন পী। সাহেবশিংনা নোংমাইজিং খুদিংদা গির্জ্জাদা চৎলি। ডিমাপুর ইম্ফালদগী মাইল চামকুম্ব মরি লাপই। নোংমৈ সূর্য্যগ্রহণ তৌগনি। ঐ নখোয়গীদা মঙানি লৈগনি। ঐ পুংদা মাইল মাপল চেনবা ঙমগনি। ঐখোয় হয়েং য়ুমদা চৎলগনি।

The Possessive Case.

গী, কী

তোম্বগী মপানা ভসি মাবু স্কুলদা পুরক্লমী - Tomba's father brought him to the school to-day.

মাহাক মপাগীদা লৈ—She lives in her father's house.
কৈ অমনা ঐগী খুড়াগী যণবী হাৎলে—A tiger has killed my uncle's cow.
মালতী পাকাগী মতুনি—Malati is Paka's wife.
নোংশাগী মশোং য়েংবদা য়াম্না ফজে—Lion's mane is very nice to look at.

অসুম্না মপু ওইবা, মরী থোকপা খংহনবা য়াহৈ পুন্নমক অসি Possessive Case নি Singular noun অমগী Possessive Case শেম্বা মতমদা noun অতুদা মথক্কী অসুম্না ' হাপকদবনি। তৌইগুদুসুং s হাপতুনা Plural ওইরবা Noun গী Possessive তি ['] হাপলগা Possessive Case ওইগনি।

মসি পুন্নমক অসি অঙাংশিংগী লাইরিকনি—These are boys' books.
ঐহাক ওঝাশিংগী কাদা চৎলমমুই - I went to teachers' Common room.

করিগুম্বদহ্ of হাপতুনা শেমনৈ।

সীতা হায়বা অসি রামগী মতুন্নি--**Sita was the wife of Ram.**

মাহাক ঐগী খুড়াগী মচন অমনি--**She is a sister of my uncle.**

মনিপুরগী মহারাজ শিলোংদা লেংরে--**The Maharaja of Manipur has gone to Shillong.**

চৌকিগী মখোং উনা শাই - **The leg of the chair is made of wood.**

ষণগী মখুজিন অনি থোক্না খাইদোকই—**The hoof of the cow is divided is two parts.**

মথক্কী অস্থুম্না মথরাই পান্দবা পোৎকীদি মহৌশানা of হাপ্তুনা শেমগনি।

নোংমগী ছুটী—**One day's leave.**

চয়োল অমা লাক্তবা—**One week's absence.**

স্থুমিৎ নিনিগী ছুটী (বন্ধ)—**To days' holiday.**

অসিনচিংবা মতম থংনবা বাহৈ কযামকমগী **'s** হাপতুনা **Possessive** ওইরে।

করিগুম্বদা **Possessive** গী খুদম অমতা য়াওদবস্থ য়াওই।

কালেনগী ছুটী (কালেন ছুটী)—**Summer vacation.**

দূর্গা পুজাগী ছুটী—**Durga Pujah holiday.**

পুং ৭ তাবগী গাড়ী—**The seven o'clock train.**

থাংজগী অহিং—**Saturday night.**

রামপুরগী শাল - **Rampuri Shawl.**

মৈতৈগী ফি—**Manipuri clothes.**

Exercise 38

Translate into English :—

মণিপুরগী মহ'রাজ থৌজাল হৈ। ঐহাক স্থুমিৎ হুম্নিগী ছুটি ফংলে। দিল্লি হায়বা অসি ভারতবর্ষগী কোন্নুংনি। মাহাক তোর্ব্বান্দা ফমলম্মী। কালেন ছুটিদা ঐ মোইরাং চৎকনি। শগোলগী মমৈ য়ান্না ফজে। সিমলা হায়বা অসি বড়লাটকী কালেনগী লৈফমনি। লাংথবান মণিপুরগী অনিশুবা কোন্নুংনি। চাউবগী শ্লেট কাইরে। মধুগী মপা বৃন্দাবন চৎখ্রে। মাহাক পুং মঙা তাবগী গাড়ীদা চৎখি। নংনা অঙাংশিংগী লাইব্রিক শেগাইবনি। বড়সাহেবনা ঐঙোন্দা থা ২ গী ছুটি পীবিরে। ইরাইগী অমুক্তা ঐ নখোয়গীদা লাকনি। হৌজিক্তি মৈতৈ ফিস্থ মক্ষম পুম্নমক্তা শংহলে

The Infinitive Mood

ঐখোয় স্কুলদা লাইরিক তম্বা চৎলি—We go to school to learn.
অঙাং পুম্নমক অসি শান্নবা পাম্মি—All the boys want to play.
মণিদি অঙ্ক তৌবা পাম্মি—Mani likes to do Arithmetic.
ঐনা মাবুদি ফত্তবা মীনি হায়না খংই—I know him to be a bad man.
ঐ করি তৌগদগে খংদ্রে—I do not know what to do.
মাহাক হরাওবগুম উখি—He seemed to be happy.

অসিনচিংবা মফম অসিদা to learn, to play অসিনচিংবা অসি Infinitive Mood নি। Infinitive Mood তা Verb কী মমাংদা to হাপই। তৌইগুম্বসুং মখাদা ইবিবা মফম পুম্নমক অসিদা to হাপ্তে।
ঐনা মসি তৌবা ঙম্মি—I can do it.
মাহাক লাকপা য়াই—He may come.

অসুম্না Do, may, can, shall, will হায়বা Auxiliary verb পুম্নমক অসিগী মতুংদা to হাপ্তে।

ঐনা মাসি তৌবা ঙম্মি—I can do it.
মাহাক লাকপা য়াই—He may come.

অসুম্না Do, may, can, shall, will হাযবা Auxiliary verb পুম্নমক অসিগী মতুংদা to হাপ্তে।
ওঝানা ঐবু যুমদা চৎলো হাযখি—The teacher bade me go home.
নংনা অহুদা চৎপগী করিসু কান্নবা লৈতে—You need not go there.
নংনা কয়াদা ইচংথোনা অসুম হাযরিবা—How dare you say so?
যুমদা চৎসি—Let us go home.
ঐনা মাবু নোকহনগনি—I will make him laugh.
মানা অসি তৌবা কনা উবগে—Who saw him do this.
ঐনা, উচেক অহুনা ঈশৈ সংশিরবা অমা শকপা তাম্মী—I heard the bird sing a sweet song.

অসুম্না, bid, dare, need, make, must, let, hear অমসুং see নচিংবা verb খরগী মতুংদা লাকপা Infinitive Mood কী to মাংখি।

Exercise 39

Translate into English :—

ঐহাক মাম্থ তাবদা য়াম্না ৱারে। হোৎনরবদি শোয়দনা চাওখৎকনি (to improve)। মাহাক য়াম্না হরাওজবগুম উই। ঐ ৱাশকপদি ঙমদে। নংনা লাকপগী কন্নি কাম্নবা লৈতে। মহাক্না ঈচং থৌনা চংশিল্লি। ঐখোয় পুম্নমক খোঙ্গাওবী শাম্নবা পাম্মি। ঐখোয়না উচেক খোংবা তাখি। নহাক শোয়দনা চংকদবনি। ঐনা তোম্বনা উদগী তাবা উরম্মী। ওজানা মাব ফুবা তাখি। কনাম্থ শিনিংবা য়াওদে। নংনা স্কুলদা মতম চানা থুংনবা হোৎনগদবনি।

The Infinitive Mood (Contd.)

Nominative ওইনা

মীনম্বা ৱা ঙাংবা হায়বা অসি পাপনি—To lie is a sin.

নুংথিল তুম্বা হায়বা অসি হকচাং ফত্তবা মচৎনি—To sleep by day is an unhealthy practice.

চৎপা হায়বা অসি অফবা শাজেম্নি—To walk is a good exercise.

মাইপাকে হায়রবদি উইন কনবা তাই—To succced requires perseverance.

Object ওইনা—

ঐ চৎনিংঙি—I wish to go.

ঐনা ঐগী ফম অসি থাদোক্কে হায়না নিংঙে—I intend to resign my post.

ঐ অয়ুক্তা কোইনিংই—I like to walk in the morning.

Incomplete verb কী *Complement* ওইনা—

চাউবদি য়াম্না ৱানা উরে—Chaoba appears to be sad.

ঐ য়ুমদা ওসি চৎপা তাররি—I am to go home to day.

কুমশি অসিদা মেলা তৌগদৌরি—There is to be a fair here this year.

Gerundial ওইনা—

মানা ঐগা উনবা লাক্লমী—He came to see me.

ঐখোয়না অসিদা তম্বা লাকইবনি—We come here to learn.

স্কুলদা মতমচানা থুংনবগীদমক থুনা হোৎনগদবনি—We must make haste to reach to school in time.

হৌজিক কোয়থোকপদি থেংমনৱে—It is too late to walk now.

Adjective ওইনা—

ঐঙোন্দা থকনবা ঈশিং থরক্নু পীয়ু—Give me some water to drink.
হৌজিক য়ুমদা চৎপা মতম মওইরক্লে—It is nearly time to go home.
ওজানা ঐখোয়দা অঙ্ক তৌনবা পীখি—The teacher gave us sums to do.
ঐগী লৈনবা য়ুম অমত্তা লৈতে—I have no house to live in.

অস্থুম্না Verb কী Infinitive Mood কী মওং অসি Sentence গী মথুংদা তোঙান তোঙানবা Part of Speech ওইনা শীজিন্নবা য়াই।

Exercise 40

Translate into English:—

ঙংথিল তুম্বা ফত্তে। নহাক্না থুনা চৎলুবগী কাম্নবা লৈতে। ওজানা ঐবু য়ুম চৎলো হায়বিন্নম্মি। ঐহাক থবক তৌবা ঙম্মী। মাহাক ঙসি লাকপগ্নু য়াই। অয়ুক্তা কোইবা অসি য়াম্না ফবা শাজেন্নি। মহাক্না অস্থুম হায়বা অসি ঐখোয় পুন্নমক তাই। ঐগী হিপনবগী তোঙানবা কা অমা লৈ। ঐনা নংবু মেজ মথক্তা লেপহনগনি। মাহাক্না ইচংথৌনা বা ভাংথোকপা ঙমদে। মাহাক্না ঈশৈ লাওনা শকপা ঐনা তাই। ছুরানবা অহুনা চেনথিবা ঐহাক উই। অভাং অসি য়াম্না বানা উই। ঙসি ঐ কোন্নুং কাবা তান্নি। ননাও অসি য়াম্না লাম্না উরে। ঈরোইবা হায়বা অসি য়াম্না লুই। ঐহাক য়ুমদা কুমগে হায়বা নিংঙি। শাম্নবা অসিনা চংথোকপা ঙমদ্রে। ঐ ইথা পাবা তম্মি।

Comparision of Adjectiv.
Comparative Degree

চাউবনা তোম্বদগী হেন্না বাংঙি—Chaoba is taller than Tomba.
ঐগী পেন্সিলনা নংগী পেন্সিলদগী শাংবা হেন্নি—My pencil is longer than yours.
ঐখোয়গী ক্লাসগী কানা নখোয়গীদগী হেন্না চাউই—Our class-room is bigger than yours
ঐগী ইয়াম্বা কোহিমাদা চৎত্রে—My elder brother has gone to Kohima.

অস্থুম্না পোৎ অনি চাং তমনরকপদা অমনা অমদগী হেনবা নত্রগা বাৎপা খংনবদ Adjective কী Comparative Degree ওই; মহৌশানা Adjective তা er হাপতুনা মাং Comparative শেম্নৈ। তৌইঙম্বগুং Adjective অহুনা Syllable অনিদগী হেন্নবদি মাং মমাংদা more হাপতুনা Comparative শেম্নৈ। মাহুম্নি:—
তোম্বীনা মচেদগী হেন্না ফজে—Tombi is more beautiful than her elder sister.

Adjective কয়ামরুমদি মাসিগী মতুংইন্না চৎহল্লু হাওই।
নবীননা যাদবতগী হেন্না ফৈ—Nabin is better than Jadob.
ঐদি নঙোন্দগী হেন্না ফত্তে—I am worse than you.
ঐখোয়গী ক্লাসতা নখোয়গী ক্লাসতগী অঙাং হেন্না য়ান্না তন্সি—There are more boys in our class than in yours.

য়েংউ :—

যদুনা রামদগী কল্লি হায়বা অসিদা Jadu is strong than Ram হায়বা লাক্লি। Than হায়বা অসি Comparative Adjective কী মতুংদদা শীজিন্নগদবনি।

Exercise 41

Translate into English :—

নংনা ঐবুদি হল্লি। সনাবুদি য়োৎনা হেন্না কান্নৈ। ঐগী লাইব্রেরিনা নংগী লাইব্রেরিগী হেন্না ফজে। তেংশৌনা মালতৌদগী নেম্মি। গঙ্গাবুদি ব্রহ্মপুত্রনা চাউই। মাগী ছুরীনা ঐগীদগী থোবা হেল্লি। চাউবা মধুদগী ইনাকখুনবা হেল্লি। নংগী লাইব্রেরি যদুগী লাইব্রেরিগী হেন্না হল্লি। মানা ঐখোয়দগী শিংবা হেল্লি। ঐনা থোইবদগী পুক্কিং চংবা হেল্লি। মসিনা অসিদগী হেন্না ফৈ। মহাক্তি ঐখোয়দগী হেন্না থৌজাল ই৩

Comparision of Adjectixes (Contd .)
Superlative Degree.

মাহাক্না ক্লাসকী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না ফবা অঙাংনি—He is the best boy in the class.
গোপালনা অঙাং পুম্নমক্কী হেন্না সাংঙি—Gopal is the tallest of all boys.
ঐখোয়গী কা অসিনা স্কুলগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউই Our room is the biggest in the school.

তোম্বী হায়বা অসি ঐগী ইচা অতোম্বনি—Tombi is my youngest son.
মাহাক অসি য়ান্না ফজরবী নুপীমচা অমনি—She is one of the most beautiful girl.
য়োৎ হায়বসি খ্বাইদগী হেন্না কান্নবা থাতুনি—Iron is the most useful metal.

অসুন্না অনিদগী হেনবা পোৎকী চাংদমবদা অমনা খ্বাইদগী হেল্লবা নত্রগা সাৎলবদি Adjective কী Superlative Degree ওই। Superlative Degree গী মমাংদা the অমসুং মতুংদা of ইনবা অসিংমুন্না য়েংগদবনি।

Exercise 42

Translate into English :—

(1)

চাউবা হায়বা অঙাং অসি খ্বাইদগী পংবা অঙাংনি। রামনা অঙাং পুন্নমক্তগী ফবা হেল্লি। ক্লাস অসিদা কনানা খ্বাইদগী ফত্তবা অঙাংনো? মানা মনিপুরদা খ্বাইদগী হেন্না ইনাকখুনবা মীনি। মাসিনা খ্বাইদগী অথিবা লাইনি। নংনা খ্বাইদগী কনবা হেল্লি। ঐনা খ্বাইদগী নেমই। মাসিনা পুন্নমক্কী মকোক্লি। চাউবনা ক্লাশতা খ্বাইদগী মমৈনি। ঐগী শগোল অসিনা মৈতৈলৈবাক্ত খ্বাইদগী ফজবা হেল্লি।

(2)

চাউবনা তোম্বদগী হেন্না লৌশিং শিংই। মাহাক ক্লাসগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না চাউবা অঙাংনি। মাসিনা নংগী ছাত্তিন অহুদগী হেন্না কৈ। কনানা খ্বাইদগী ফবা অঙাংনো? মাহাক্কা মাগী মথক্কি। মধুনা তোম্বীগী মথানি। মাসিনা খ্বাইগী মথক্কি। লাইবিক অসি খ্বাইদগী হেন্না ফজবা অমনি। নংনা মণিদগী চহি মঙা হল্লি। তোম্বীনা হেন্না রাংলে।

Causative Forms.

হন, হল,

ঐনা নোকই—I laugh.

মানা ঐবু নোকহল্লি—He makes me laugh

রাঘব চৎকনি—Raghab will go.

ঐনা রাঘবপু চৎহনগনি—I will make Raghab go.

ঐনা থবক অসি তৌহনগনি—I shall get the work done.

ঐনা চিঠি অসি ইহনগনি—I shall have the letter written

ওজানা ঐখোয়বু মপাল থোকহনগনি—The teacher will let us go out.

অনিশুবা ওজানা ঐখোয়বু ইংরাজী তম্বি—The second master teaches us English.

নংগী শান্নপোৎ উংলু (উহনবিয়ু) -Show me your toys.

ঐনা মাবু শিজরম্মী (চ'হল্লম্মী)—I fed him.

Exercise 43

Translate into English :—

রামনা মহুবু কপহল্লি। ঐনা মাধবপু থবক অসি তৌহনগনি। পাজীনা ঐবু অক তৌহল্লি। ননাওদা অমুম থংহল্লু। তোম্বীনা ঐবু নিংশিংহনথি (remind)। নংবু শোইদনা থবক্তগী

তাম্পোকহনগনি। মধুনা মনাওবু পিজরম্মী। ওজানা ঐখোয়বু রচনা ইহল্লি। লাইব্রিক অসি হল্লিবু কাহনগে। ঐগী ইচানুপা অহন অহুবু হায়ং লাকহনগে।

The Case in Apposition.

ঐখোয়গী ওজা গোপাল নারে—Our teacher, Gopal is ill:

ঐগী ইনাও মাধব লাক্তে—My younger brother, Madhab is absent.

ভারতকী নিংথৌরেন পঞ্চমজর্জ হায়বা অসি অফবা নিংথৌনি—George V, emperor of India is good king.

ঐখোয়গী হেডমাষ্টার উইন্স সাহেব মৈতৈলোন খংঙি—Mr. Wince, our Head master knows Manipuri.

ঐহাক তোম্বগী মনাও গোপালনি—I am Gopal, brother to Tomba.

ঐনা গোলাপসিংহ হায়বা উশূবা অহুবু উবম্মী—I saw Gopal Singh, the carpenter.

ঐহাক আসামগী কেপ্তং শিলোংদা অনিবক চৎলুৰ—I have been to Shillong, the Capital of Assam twce.

নং মণিপুরগী কোন্নুং ইম্ফালদা চৎলুবৰব —Have you ever been to Imphal the Capital of Manipur.

Exercise 44

Translate into English :—

(১) নংগী নপীক্সা তোম্বদি শিৰে। (২) নংগী মামা চাউবা শিলট্টা চৎখ্রে। (৩) চাউবনা মচে থরোবু সুংশিদবমাখ্রে। (৪) ঐগী ইমাক মধুদি ওসি কারক্তে। (৫) মঙাশুবা শ্রেণীগী ছাত্র গোকুলসিংহদি অফবা অঙাং অমনি। (৬) নপা ইনাও পুরেনবদি কৈ তরেং ফাখি। (৭) নবাই মণিবু কৌ। (৮) ঐহাক নচা অমুবীনি। (৯) ঐহাক ইম্ফালদগী মাইল অহুম লাপ্পা ইবোইশেম্বা হায়বা খুল অহুদা চৎকনি। (১০) নপল গুলাপকী শোরাং ওসি থোকলে। (১১) ষ্টেট অফিসগী কেরাণী তোম্বা থবক থাদোক্তে। (১২) ঐখোয়গী ওজা হেমন্ত অসি য়াম্না থৌজানহৈবা মীনি। (১৩) রবীন্দ্রনাথ হায়বা কবি অসি ঐখোযগী লৈমজনকমনি। (১৪) সনাশাবা পবিত্র হায়বা অসি য়াম্না নৈপাকমচা ওাবা মীনি। (১৫) নখুল নখোল যৌনা চৎলো।

The Nominative Absolute

মাহাক নারহুনা মচা লাকলম্মী—He being ill his son came.

নুমিৎ তাপ্রহুনা মহাক মযুমদা হনখিরম্মী—The sun having set, he returned home.

নোংচিংখাংদবা নুমিৎ ওইবা অহুদা ঐহাক কোইবা চখোক্লম্মী—It being a fine day I went out to take a walk.

অম্বিকা বাবু লাক্তবুনা নগেন্দ্র বাবুবু সভাপতি ওইহনখি—Ambika Babu being absent Nagendra Babu was elected Chairman.

অসুম তৌদুনা Finite verb যাদবা Nominative দিং অসিবু Nominative absolute কৌই।

Exercise 45

Translate into English :—

তোম্বা নারছুনা মনাওনা খবক পুরি। ঙসিং অদু লেংদবা (cloudy) উদুনা ঐ চল্লে। ঙসিং তাপ্রবা অদুদা ঐহাক লাকত্রবনি। মনাওনা ঙাওখিবা অদুদা মাহাক তৌফম থংল্লে। মাহাক লাকবা অদুনা ঐখোয় পুন্নমক চৎলে। মনাও শিগ্রবা অদুদা মাগীনি হায়বা কনা অমতা লৈত্রে।

Reflexive Pronouns.

মাসি ঐহাকমক্তা উৎক্রবনি—I have seen it myself.
নহাক নশামক্তা মাসি তৌখিবনি—You yourself did it.
নুপী মশাদা হংউ—Ask the woman herself.
অমুক্তা নশামক্তা চৎতুনা য়েংবিয়ু—Please go and see to it yourself.
ঐহাক নুপী অদু ইশামক্তা উরক্লে—I have seen the woman myself.
মাহাক মতোমদা ফমলম্মী—He sat by himself.
তোম্বনা মতোমতা মওল মওল খনখি—Tomba thought to himself.
কৈ অদু নারক্তা লোৎখিরম্মী—The tiger hid itself in the jungle.

Exercise 45

Translate into English :—

মাহাক মশামক লাক্তুনা মাসি তৌরম্মী। মাখোয় মশেল লৈকোম্দা হন্নাও-কুমৈ তৌরম্মী। নুপীমচা অদু নশামক্তা উরক্রবনি। ঐহাক ইশানা হেডমাষ্টারদা মাসি হায়খি। যদু মতোমদা ফমলম্মী। মণিনা মতোমদা খনখি। মাহাক মশাদা ঐনা হংঙই। মাসি নশামক্তা তৌ। লিন অদু কাংখদা লোৎল্লে। ঐহাক মফম থংদে (I am not myself)। ঐহাকমক্তা মাসি উরক্লে। নহাকমক্তা মদু তৌখিবনি। ঐখোয় মাবু ফুখি।

The Indefinite Pronoun.
One and They

কনাম্ব মী খুদিংমকপু পেল্লহনবা ঙমদে—One cannot please every body.

নখোয় অমগা অমগা নুংশিনবা চুম্মী—You should love one another.

মহাক্না ঐঙোন্দা অসিগুম্বা অমা পীবম্মী—He gave me one like that.

মাখোয়গী মরক্তা অমনা ঐঙোন্দা মাসি হায়রম্মী—One of them told me this.

মী খুদিংমক মাগী মথৌ তৌবনা চুম্মি—Every one should do his duty.

মাসি অফবা অমনি—It is a good one.

মাসি পুম্নমক অশংবা হৈনৌ ঙাক্তনি, ঐঙোন্দা অমুনবা খরদং পীয়ু—These are green mangoes, give me ripe ones.

ঐদি লাইরিক অমনবা পামদে, অহনবা লৈবিয়ু—I do not want old books, buy me new ones.

উচেক অসিনা মচাশিংবু পিজবম্মী—The bird fed its young ones.

(Adjective ওইনা)—চাউবা হাযবা অমা লাক্নম্মী—One Chaoba came.

কুমশিদি লেন তানি হাযনবি—They say it will hail this year.

মাগী মণি অমা লৈ হাযচনা মীনা হাযনৈ- They say he has a gem.

অসিনচিংবা মফমদা one অমসুং they অসি Indefinitive (অরেপ্পা খংদবা) Pronoun ওইনা শিজিন্নরি।

Exercise 47

Translate into English :—

কনাম্ব মীনমা বা ঙাংবা চুমদে। কলম অসি ফত্তে, অফবা অমা পীয়ু। শোইদনা ঙমগনি হায়বা কনাম্ব অওইবা খংদে (be sure)। মাসি মশা মশানা তৌগদবনি। অঙাংশিংনা করম তৌরিবগে ? ঐহাক অফবা অমতং পামই। লৈশিং অসি অঙাংবা ঙাক্তনি, অঙৌবা খরা পীয়ু। ঐহাক মাখোয় অসিগী মরক্তা অমতংদি লৌনিংই। অমগা অমগা চান্নৌ। অরাবদা তারবা অমবু পাংবিবনা চুম্মি। মী খুদিংমক মথৌ তৌবনা চুম্মি। কুমশিদি য়ুহারানি হায়নরি। মাহাক হুরানবনি হায়রুনা মীনা হাযনৈ। হরিমোহন হায়বা অমা লাক্নম্মী। মাহাক বামোননি হায়নৈ। ঐগীদি চই অমুবা ঙক্তা ঙাই, অবাংবা অমতং পাম্মি।

Either and Both.

(ময়াম অসিগী মরক্তগী) কলম অমনা হেক্তা য়াগনি—Either of there pens will do (or) Either pen will do.

তুরেল অসিগী নাকল অনিমক্তা খুল অমমম লৈ—There is a village on either side of the river.

নহাক লৈগে হায়রগা লৈবা নত্রগা থুনমক চৎথোক্কদবনি—You must either stay or go away at once.

চাউবা নত্রগা মপা লাকপা য়াই—Either Chaoba or his father may come.
মাথোয় অনিমক লাকখি—Both of them came.
লৈকোন অনিমক অত্থু ফজে—Both gardens (both the gardens) are beautiful.
চাউবস্থু তোম্বস্থু লাক্তে—Both Chaoba and Tomba are absent.

Exercise 48

Translate into English :—

পাজিস্থু তাদস্থু কোন্নুং কাপ্রে। লৌবুক অসিগী নাকন অনিমক্তা খুল অমমম লৈ। য়ুম অনি অত্থুমক তেক্লে। থাং অমনা হেক্তা য়ানগনি। খুড়া নত্রগা ইন্দোল লাকনি। তোম্বা অমসুং মধু অনিমক লাকখি। নহাক হৈ অসি চাগে হায়রগা চাও নত্রগা হুন্দোকপ্রো। ফিশিং অসিগী মরক্তা অমনা হেক্তা য়াগনি। ঐথোয়গী খুনগী নাকল অনিদা লৌবুক অমমম লৈ। মাথোয় অনিমক কলিকতাদা চৎপ্রে। পাম্বী অনিমক অত্থ য়াম্না ফজে।

Each and Every

ঐনা অঙাং খুদিংদা কলম অমমম পীরম্মী—I gave each boy a pen.
অঙাং খুদিংমক্কী শ্লেট অমমম লৈ—Each boy has a slate.
মান্নমান্নবা কোণ খুদিং অসিদা A B C হায়বা কোণ অসি হাপচিল্লু—To each of these equal angles, add the angle A B C.

ঐহাক নুমিৎ খুদিংগী স্কুল কাই—I go to school everyday.
অঙাং খুদিংমক (পুন্নমক) মমাবু নুংশিবা ভাক্তনি—Every boy loves his mother.
ঐনা অঙাং খুদিংমক (পুন্নমক) হয়েং স্কুলদা লাকপা পাম্মী—I expect every boy to come to school to-morrow.

হিদাক অসি পুং অনি অনি লৈরগা থক্কনবনি—This medicine should be taken every two hourr.

(অকক্কবা মী অমসুং পোৎকী মরক্তা অমা হায়বা অর্থদা each অত্থুগা অরেম্বা মশীং খংদবা মী অমসুং পোৎকী মরক্তা অমা হায়বগী অর্থদা every শীজিন্নৈ)।

Exercise 49

Translate into English :—

ক্লাশ অসিগী অঙাং খুদিংদা ঐনা পেন্সিল অমমম পীখি। মী খুদিংমক মহৈ তমগদবনি। মানা মনাও খুদিংদা মন্নী অমমম পীবশী। মাখোয় খুদিংমক্কী শগোল অমমম লৈ। মাহাক থা অহুম অহুম লৈরগা অসিদা অমুক অমুক লাবই। মী পুম্নমক মচা মচা মহৈ তম্বিনবা হোৎনগদবনি। নহাক নো মা নোংমা লৈরগা লাকউ। অঙাং খুদিংমক মরৈবাক মুংশিবা চুম্মি।

Some Important Adjectives

(Some)—

ৎ চুঙ্গোৎ অদুদা মঙ্গোম খরা লৈ—**There is some milk in that cup.**

কনানো অমনা ঐঙোন্দা মাসি হায়খি—**Some body told me this.**

কনাগুম্বা অমা—**Some one.**

নোংমা—**Some day.**

ইবৈ লৈতবদুগি খরদং (লৈব) না হেন্না ফৈ—**Something is better than nothing.**

মী কুনালে'ম লাকখি—**Some twenty men were present.**

চহি হুমফুরেমগী মমাংদা—**Some sixty years ago.**

(All)—

মী পুম্নমক শিগদবনি—**All men must die.**

ভারত পুম্নমক—**All India or (The whole of India)**

হেনৌ ময়াম অদু—**All the mangoes.**

হেনৌ মপুম অমা—**A whole mango.**

নুমিৎ চুপ্পা—**The whole day (or all day long.)**

(Little)—

নোংজন্দা পুখ্রিদা ঈশিং লৈতে—**There is little water in the tank in summer.**

পুখ্রি অসিদা ঈশিং খজিক্কং লৈ—**There is a little water in the tank.**

ঐদি মাহুগী থুংলোংচাবদি উদে—**I see little chance of that.**

(Certain)—

খুরিগুম্বা খুল অমদা নাপেৎ অমা লৈরম্মী—**In a certain village there was a barber.**

কনাগুম্বা মী অমা—**A certain man**

চাউবা হায়বা অমা লাক্লম্মী—A certain Chauba came.
করি করিগুম্বা সহরদা—In certain towns.

(Any)—

নখোয়না মী অ'ত অতোপ্পা উবরা—Have you see seen any other man ?
মী পুম্নমক (যেশা মী অমনা) মাসি তৌবা ঙম্মি—Any man can do it.
মাসিদা করিগুম্বা অন্নানবা লৈবরা—Is there any mistake ?
ঐনা করি অমতা পাংদনা ইচানা মাহ্র তৌখি—May son did it without any help from me.

কনানো অমা হেক্তা হায়বা যাগনি—Any one can say this.
করিগুম্বা অমা—Anything.
কনাগুম্বা অঙাং অমা—Any boy.
(যেশা) ডাক্তর অমা—Any doctor.

(Same)—

নখোয় ক্লাস অমতদা তম্মিন্নবা নত্রা—Do you not read in the same class ?
মান্নবা—The same.
মান্নবা বাহং, বাহং অমতা—The same question.
ঐনা হায়বা অঙাং অদু মাসিমকনি—He is the same boy as I have spoken of.
থবক অমা হাংলি হায়বা তাদুনা ঐ মাদুগী দরখাস্ত থাগ্রি—Hearing a post is vacant, I have applied for the same.

মতম অদুমক্তদা, অমুকস্থ, অদুগা—At the same time.

(Other)—

অঙাং অতৈদি—Other boys.
মী অতৈ অতৈনা—Other people.
অতৈ অতোপ্পা খবা পীযু—Give me some other ones.
নোংমা লেপলগা নোংমা—Every other hand.
লহান নোংমা—The other day.
অমরোমদা—On the other day.
ঐদি অতোপ্পা অমদু পামই—I want the other one.
খরনা লেপখি, অতৈনা ফমখি—Some sat, others stood.

ঐনা রাম, শ্যাম অমসুং অতৈ অতৈবু উখি—I saw Ram, Shyam and others.
মাখোয় অমগা অমগা রৈনখি—They struck each other.
থোকপা অমা তৌহুনা নংনা মাসি তৌগদবনি—Somehow or other you must do it.

(Another)—

অতোপ্পা নুমিৎ অমদা—Another day.
অতোপ্পা মী অমা—Another man.
(মাসি ফত্তে), অতোপ্পা ফুরিৎ অমা পীয়ু—(This is bad) give me another shirt.

(Several)—

পাজীনা ঐঙোন্দা লাইরিক কয়ামুক পীবিরম্মী—My father gave me several books.
ঐনা তাদগী মফমদগী চিঠি কয়ামুক ফংখি—I received several letters from my brother.
নুমিৎ কয়ানিমুক—Several days.
লম্বী কয়ামরুম—Several ways.

(Few)—

বুম্মোক্তা হৈনৌ খরদা মরৈ—There are a few mangoes in the basket.
নংগুম্বা মীদি খরদনি—There are a few men like you.
নংগুম্বা মীদি কয়া লৈতে—There are few men like you.
মী খরদনা মাসি তৌবা ঙম্মি—A few men can do it.
মাহাক ৱা কয়া ঙাংদবা মীনি—He is a man of few words.

(Many)—

মফম অতুদা মৈতৈ য়াম্না লৈ—There are many Manipuris there.
ঐগী লাইরিক য়াম্না লৈ—I have many books.
মী য়ামনা—A great many men.

(Such)—

অসিগুম্বা মী—Such a man.
অসিগুম্বা অঙাংশিং—Such boys.
অসুম অসুম্বা মীতা—Such and such person.
অঙাংশিংদা লুনা থোকদবা লাইরিক অদু ঐ পামদে—I do not want such books as are difficult to the boys.

(Half)

হাফছুটি (ছুটি তখাই)—**A half holiday.**
শরুক তখাই অমা—**Half share.**
ঐহাক পুখাই অমা শান্নরম্মী—**I played half an hour.**
ঐনা লাইরিক অমু লুপা অহুমখাই পীদ্রুনা লৈরে—**I have bought the book for three and a half rupees.**

থুম সের অনিমখাই—**Two seers and a half of salt.**
Or two and a half seers of salt.

লুপা মখাই অমা—**Half a rupee.**
তখাই অমা শিরবা—**Half dead.**

Exercise 50

Translate into English : —

মাহাক কীহোন মপুম অমা চারে। মী য়াংখৈরোম লাকলে। কনাগুম্বা অমনা মাদু লৌরম্মী। হৈনৌ পুম্নমক অহু অশংবা ঙাক্তনি। চহি কুনলোম শুরে মাসিদা তোপ্প হায়বা অমা লৈরম্মী। ভারত অপুম্বা অরাবদা তাখি। উচেক অসিনা হুম্বিৎচুপ্পা ঈশৈ শকখি। পুথ্রীদা ঈশিং খরদা মঙাইরে। কনাগুম্বা মী অমনা মাবু ফুখি। করি করিগুম্বা সহরদা ঈশিংগী কল লৈ। কালেন্দা পুথ্রীদা ঈশিং লৈতে। অতৈ কনা লাকখিবগে ? হরি হায়বা লুপা অমা চেনখ্রে। অঙম্বা অমনা হেক্তা তৌবা য়াগনি। ডাক্তর অমা হেক্তা কৌরু। ঐখোয় শ্রেণী অমতদা তম্মিম্নৈ। ঐসু মাহং অহুমক হোৎনরি। মতম অহুমক্তদা মাসু চৎথোকখি। লহাল নোংমা ঐ নখোয়গীদা চৎলুই। অঙাং অতৈদি চৎপা য়ারগনি। হিদাক অসি নোংমা লেপলগা নোংমা চাও। খরনা কপ্পি অহুগা অতৈনা নোকই। অসোমদা মচাসু শিরে, অমরোমদা মশাসু নারে। খোকপা অমা তৌহ্নুনা লাক্লবা হোৎনৌ। অতোপ্পা ছাটিন অমা অহু পীগু। ঐ হুম্বিৎ কয়ানিমুক নাক্লরে। ঐ গীতচন্দ্রদগী চিঠী কয়ামুক ফংই। অসিদদি কমলা খরদা মরৈ। মাগুম্বা মী কয়া লৈতে। মা রা কয়া ঙাংলবা মীনি। মাহ্নদা মী য়াম্না তিনখি (a great many)। অসুম অসুম্বা মীতা খরা লাকখি। হুম্নানগনবা অঙাংদি ঐ তুকচৈ। শিলোংদা সাহেব য়াম্না লৈ। ঙসিদি ঐখোয় হাফ ছুটি ফংগনি। লুপা মখাই অমা লাইদনা কথ্রে। মাহাক তখাই অমা শিরে। লুপাগী চেং সের অহুমখাই তৌরি। খবক অসি ঐগী শরুক তখাই অমা য়াওরি। থি মগদা লুপা অমা মখাই পিরি।

The Present Participles

(Used as Adjectives)

মধু উ ম কনবা অঙাং অমনি—**Madhu is a persevering boy.**

পুখ্রীগী ঈশিংদগী অচেনবা ঈশিংনা হেন্না কৈ—**Running water is better than that of the tank.**

মাহাক্না ইরাক্নরবা নী অহুগী মথবাই কল্লম্মী—**He saved the life of the drowning man.**

ঐনা শিগদৌরবা হৌদোং অমা উরমই—**I saw a dying cat.**

ঐনা কপল্লিবা অঙাং অসিদা অথূম অহাও খরা পীগনি—**I will give some sweets to the crying child.**

Exercise 51

Translate into English :—

চেল্লিবা গাড়ীদা চোংখৎকনু। তুম্মিবা অঙাংবু কল্লিগী ফুরি? মাহাক্তি পাইল্লিবা উচেক কাপ্পা ঙম্মি। মাহাক অসি ঐগী নুংশিরবী ইমানি। ঙাগদৌরিবা নুমিৎকী অঙাংবা মশেক হায়বা অসি য়াল্লা নিংথিজে। মাগী মোমোন নোকপা মাইথোং অহু য়াম্না ফজনা উই। মাহাক্না চাকলিবা য়ুম অহুদা চোংশিল্লম্মী।

The Gerund

কোইবা হায়বা অসি ফরবা শাজেম্নি—**Walking is a good exercise.**

ইবা ঙোকলো—**Stop writing.**

মাহুদা চৎলুহুনা করি কাম্নগনি—**What is the use of going there.**

চুরুপ থকপা ফত্তে—**Smoking is bad.**

পাউগী চে পাবা কৈ—**Reading newspaper is good.**

মাসি অঙাংশিংনা লাউজবতনি—**It is only a shouting of boys.**

অসুম্না **Verb** কী **Present Participle** মওং অসিনা থাঙ্গৈশেংবা **Noun** গুম্না **Nominative, Objective** অমসুং **Complement** গুম্না শীজিন্নবা য়াই অসিগুম্বা মওং অসি **Gerund** কৌই।

Exercise 52

Translate into English :—

(1)

ঐহাক লাইব্রিক ইবা লোইরে। অয়ুক ঙন্তা কোইবা হায়বা অসি অফবা শাজেম্নি। ঐখোয় চাবা হৌরে। অঙাং অসি কপ্পা তোক্কে। মীনম্বা হায়বা অসি পাপনি। উপন্যাস পাবা ফত্তে।

খংনবা তোক্লো। মাসি চুমনা উচেক খোংজবনি। নংনা মাহুক্কী কপপুহুনা করি কায়গনি। ঐনা হৌনবা খংদবসু ঙাকপিয়ু। ঐনা অমুক মাহু তোক্লহুনা কায়বা লৈত্রে। শগোল তোংবা হায়বা অসি য়ামনা ফৈ। মাসি মমানা চুমনা কপচবনি। ইরোইবা হায়বা অসি কায়বা শাজেন্নি।

(2)

চংপা হায়বা অসিসু ফজবা শাজন অমনি। মাগী কোইবদা পুনবা ফজরবা চৈ অমা লৈরম্বনি। মাগী তাস অমা লৈ। মাহাক তেলঙ্গা পাইরি। মাহাক হৌজিক ইশৈ শকলি। অফবা চিঙ্গাক চাবনা মী নোঙ্গনৈ। অফবা লাইরিক পাবা অসিসু কায়দবা নাত্তে। মাহাক লাইরিক পাফম কাদা খবর কাগজ পারি। ঐহাক হৈনৌ চাগে তৌরি।

The Past Participle

(Used as Adjectives)

মাহাক লাইরিক হৈবা মীনি—He is a learned man.
ঐগী ছাটিন অতেকপা অমা লৈ—I have a broken umbrella.
নিংথিনা তম্বিরবা শামুশিংদি য়াম্না কান্নৈ—Well trained elephants are very usefu'.
মাহাক লমচং ফজবা অঙাং অমনি—He is a well-behaved boy.
মাংখিবা শেল খহু ফংলে—The stolen money was found.
অঙাং অহু যামনা মপুক্লিং চংদে—The boy is very absent minded.
পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং অসি কপলি—The new-born child is crying.
অশোকপা মুপা অহু অনাশংদা পুখিরম্মী—The wounded man was carried to hospital.

অসুম্না Verb কী Past Participle মঙৎ অসি Adjective গুম্না শীজিন্নবা য়াই।

Exercise 53

Translate into English :—

মহৈ হৈবা মুপা হায়বা অসিদি মফম পুন্নমক্না ইকাইখুম্নৈ। মিস্ত্রি অমনা মিহুৎথোং অকাইবা অহু শেমলম্মী। মাহাক মচৎ ফজবা অঙাংনি। মাইথীরবা লাম্নীশিং অহু চেনখিরম্মী। নিংবা কাইরবী মুপী অহু কপলম্মী। মাংখিবা লাইরিক অহু ফংলে। ঐগী হুখিবা ফুরিৎ অহু অসিনি। চোকথরবা মুপা অহু উখাদা ফমলম্মী। মাহাক নিংথিনা শেমশারবা কা অমদা ফমহুনা লৈরম্মী। ঐনা ঈশিংদা তারবা হৌদোং অহু লৌখৎলম্মী। ভরতপুর হায়বা অসি লানবন শারবা (fort'fied) লৈবাকনি।

The Imperfect Participles and Verbal Nouns

দুনা, তুনা, রগা, গা, দা, বা,

ব'রদুনা ঐহাক পুং অমা অনিদং পোথারম্মী—Being tired I rested for an hour or two.
মাহাক্না উদগী কুমথরদুনা চেনখিরম্মী—Getting dowm from the tree he ran away.
ঐনা মাবু কা অদুদা ফম্বা উরম্মী—I saw him sitting in the room.
চাক্লিবা অদুনা ঐবু আশীর্ব্বাদ তৌর তৌরদুনা মফম অদুদগী চেনখিরম্মী—The beggar left the place, blessing me as he went;
নুপী অদুনা কপ্প কপ্পদুনা চংখি—The woman went away crying.
ঐনা কৈথেল কাদুনা পেন্সিন অমা লৈগনি - Going to the market I will buy a pencil.
ঐখোয়না চেন্দুনা চেন্দুনা মফম অদু তামা চংলম্মী—We went running to the spot.

অসুম্না মৈতৈলোন্দা মরুওইবা Verb তা দুনা, তুনা অসিনচিংবা হাপতুনা Verb কী Imperfect Participle ওই ; ইংরেজীদদি Verb তা ing হাপতুনা শেমনৈ ।

Verbal Noun গী মশকস্ত অসুম্না Verb তা ing হাপতুনা শেম্মি ; থেন্নবদি Verbal Nound দি Verb অমসুং Noun গী থবক অমুক্তদা তৌই ।
মাগী অরাবা উদুনা রামদি চেনখিরম্মী—On seeing his danger, Ram ran away.

করিগুম্বা Verb কী Past Participle গী মমাংদা having হাপতুনা—
চাক চাদুনা ঐহাক তুমখি—Having eaten my supper I went to sleep.
পরীক্ষা পাশ তৌরগা মাহাক বিলাত চংলি—Having passed the examinaton he went to England.

দুনা, তুনা য়াওবা অসিগুম্বা Verb অসি করিগুম্বদা থাইদোক্লুনা 'it' Verb অনি থোক-হনবনা থোইনা ফবা য়াওই ।
ঐ চংতুনা মাদু য়েংউগনি—I will go and see it.

Exercise 54

Translate into English :—

ঐহাক্কি চাক চারগা দুংখিল ওইনা মরাক্লগে । মাহাক্না নোক্ল নোক্লদুনা ময়ুমদা হনখিরম্মী । মাহাক্না ঊশৈ শকতুনা শকতুনা চংলি । তোম্বদি কালেম্বা চুপ্পা মোইরাংদা লৈরমলগা ইম্ফাল কাথরে । হয়েংদি কৈথেল কাদুনা চে লৈরবা তারি । ঐনা চেন্দুনা দোকান্দা চংলুই । ঐনা মাহাক লাইব্রিক

পাবা উরম্মী। লৈকোন্দা কেইবদা ঐনা অমসুং অমত্তা উখি। ঐনা চৌকিদারনা শরীক থিংবা ভাই। লৈশিং অদু হেক্লগা মানা কজরবা পায়েং অমা লেংলম্মী। নবা তাবদা ঐ য়ামনা মুংঙাইরে। মাহাক মেজ মথক্তা লেপতুনা লৈরম্মী। তোম্বনা খুরু খুদক কুন্দুনা লাই খুরুমলম্মী। মাহাক হ্রাওবনা খুরাক খুর খুরদুনা চংখি। লৈরাক তৌবদা ঐনা লুপা কংখি। মহাক্না ছাত্রিন অমা পুদুনা লাক্লম্মী।

Voice

মীতৈলোন্দা ইংরেজীগা চানবা Passive Voice গী Verb কী মখং লৈতে হায়বসু য়াই। কাইবদী বত্তা য়েত্থনা Active না নত্রগা Passive না মৈতৈলোন ইংরেজীদা হনগদবনি।

ঐদি মানা চাল্লি—I am loved by him.
মহৈ লৈরা মীদি মফম পুম্নমক্তা ইকাই খুম্নৈ—A learned man is respected every where.
মাসি চাওবনা তৌবনি - It was done by Chaoba.
চিঠি অসিদি ঐনা ইরম্বনি—This letter was written by me.
শাবী অসি কৈনা হাৎপনি—This cow has been killed by the tiger.
হুখিবা শণ অদু ফংলে—The stolen cow has been found.
ঐখোয়, ওজানা ব্যাকরণ তম্বিখি— We are being taught Grammer by the teacher.
শণ অদু তোম্বনা হোইহোই—The bulluck was being driven by Tomba.
বাহং অসি ঐনা খুমগনি—This question will be answered by me.
ঐগী ইমিং শরমসু—Let my name be told.
বল অসি চাউবনা ফাসনু—Let the ball be caught by Chaoba.
গোলাপ অসিদি তোম্বনা হেকসনু—Let this rose be p cked by Tomba.

Exercise 55

Translate into English :—

(1)

য়ামনা থা য়েংই। নবীননা ঐবু ফুই। শণ শজিক চারি। মধুনা উচি ফারম্মী। চাক চারে। কাংজৈ য়েংলুসি। পেন্সিল শেন্মু। ঐনা চিঠি ইগনি। ঐনা ঐগী পারা ওয়াইগনি। ওজানা ঐবু ভূগোল তম্বিগনি। মাহাক্না উচেক অমা ফারে। রামনা রাবন হাৎলি। নাদি মীনা চাল্লি।

(2)

ঐখোয় ওজানা ভূগোল তাকখি। থবক অসি পাজিনা তৌখিবনি। মাংখিবা ঘড়ি অদু ওসি ফংলে। হৈনৌ অসিমদি মানা চাসনু। য়াসিদি ঐ থংলে। অক অসি তোম্বনু তৌরি। ঐগী লাইরিক অসি খাইনা পাসনু। উ অসি হরিনা য়াবরনি। ফুরিং অসি ইবুঙোহল্লা তুমনি। লাইরিক অসি তোম্বীনা লেংবনি।

Prepositions

স্কুলদা—To the school.
স্কুলদগী—From the school.
স্কুল মনুংদা—In the school.
স্কুলগী—Of the school.

অসিনচিংবা মফম পুম্নমক অসিদা to, from, in, of অসি তোঙান তোঙানবা অর্থ পংনবগীদমক school হায়বা Noun অসিগী মমাংদা হাল্লি। অসিগুম্বা বাহৈ অতৈপু য়ামনা লৈরি। (অসিগুম্বা to, from নচিংবা বাহৈ অসিবু Preposition কৌই)।

মৈতৈলোনগী না, বু, দগী নচিংবা বাহৈদা পকপা খুদম অসি ইংরেজীগী with, to, from নচিংবা Preposition না ওই। খেন্নবদি, মৈতৈলোন্দদি বাহৈগী মতুংদা খুদম পুম্নমক হাপনৈ। অদুগা ইংরেজীদনা Noun অমসুং Pronoun গী মমাংদা হাপনৈ।

Preposition হায়বা অসি মতোমদা লৈবা য়াদে। মাহাক্কা লোইননা শোইদনা Noun নত্রগা Pronoun অমমম লৈগদবনি। From হায়বা ব। অসিদা লৈরবদি অর্থ থোক্তে। From the school নত্রগা from the house, করিগুম্বা Noun নত্রগা Pronoun অমা মখী মতুংদা হাপকদবনি। (অদুগুম্বা) Noun নত্রগা Pronoun অদুবু Preposition গী Object কৌনৈ।

By

মাক্তা, না, মনুংদা অসিনচিংবা

ঐগী ইনাক্তা ফম্মু—Sit by me.
ঐনা থা উই—The moon is seen by me.
মাহাক থাংজগী মনুং অসিদা লাকনি—He will come by Saturday.
ঐখোয়না রেলগাড়ী তোংদুনা কোয়রম্মী—We travelled by railway-train.
হরি জাতি বামননি—Hari a Brambin by caste.
মধু কৌবা নিপামচা অমা লৈরম্মী—There was a boy. Madhu by name.
চাওবনা মাগী মনা পায়দুনা চিংলম্মী Chaoba pulled him by the ear.
নুপী অসিনা চেং সের সের (থাইদুনা) য়োল্লি—The woman sells rice by the seer.
মাহাক্না গৌহাটিরাখয়না (বৃন্দাবন) চৎকনি—He will go (to Brindaban) by Gauhati.

With

না, লোইননা

মাহাক্না ছুরিনা পেন্সিল শেম্মি—He mends his pencil with a knife.

চাউবনা চৈ অমনা ঐবু ফুরম্মী—Chaoba struck me with a stick.

তোম্বনা ঐগা লোইননা চৎলম্মী—Tomba went with me.

মার্ব্বল মুংনা থাবা—Parved with marble.

অসিগীদমক—With this object.

[মহৌশানা মৈতৈলোন্দা করিগুম্বা Nominative তা 'না' পকপা উই; তৌইগুম্বসুং ইংরেজীদা Nominative তা করিগুম্বা খুদম অমতা পকতে]

রামনা নোকই—Ram laughs.

মাহাক্না ইশৈ শকই—He sings.

Passive Voice দা ইংরাজীদা থবক তৌরিবা মী অমুগী মমাংদা by হাপই।

ঐনা থা উই—The moon is seen by me.

থবক পাংনবা খুংলাইগী মমাংদা মৈতৈলোন্দা 'না' পকই; মাদু ইংরেজীগী with কা মান্নৈ।

ঐনা থাংনা (ছুরিনা) পেন্সিল শেম্মি—I mend the pencil with a knife.

যদুনা ঐবু চৈনা ফুরম্মী—Jadhu struck me with a stick.

Exercise 56

Translate into English :—

টেবিল অসিগী মনাক্তা লেপউ। ইরাইগী মমাংদা ঐ ডিমাপুরদা চৎকনি। হুই অদুনা চাউবগী মনাক্তা ফমথি। মাহাক জাৎতি ক্ষেত্রিনি। তোম্বা কৌবা অঙাং অমা স্কুলদা লাকখি। ঐখোয়না হি তোংদুনা থরো চাবা চৎকনি। ঐনা মাবু মখুৎ পায়দুনা ফারম্মী। মানা ঐবু চহি অনি হল্লি। ঐনা লমাংদোংলোমদা কাহাড় চৎকনি। ঐনা নংগীদমক পেন্সিল ডজন অমা লৈগত্রা? মাদি ঐনা চাল্লি। নংদি শূত্রনি। পুং তরা মথাই তাবগী মমুং অসিদা মাহাক লাকনি। মাহাক্না মরাম্বগা লোইননা কোইবা চৎখি। মানা রেলদা ডিব্রুগড় চৎকনি। যদুনা শীংজংনা উ য়াল্লি। ওজা অচৌবনা চৈনা মাবু ফুরম্মী। লম্বী অসি লুং থ ই। মাহাক্না য়োৎপাক্না লৈপাক তৌই।

In

দ, মনুংদা

মাহাক মণিপুরদা লৈ—He lives in Manipur.

খাগী লৈবাক অসি এশিয়াগী মনুংদা লৈ—China is situated in Asia.

নিংথম থাদা—In the winter.
লুপা ময়েক ওইনা—In cash.
লোম্না—In private.
অমম্বদা—In the dark.
নুংথিল্দা—In the evening.
অরেম্বদা—In vain.
শুম্নমক্না—In all.
অওইবদি, অচুম্বদি—In fact, in truth.
ঐহাক্তি হৌজিক্কি অৱাবদা তরি—I am in trouble now.
চামগী মরু দা বুম্না শিখি—Thirty in a hundred died.

Into মনুংদা চংপা তৰ্থ ফোংদোকনৈ।

ইমুং মনুংদা চংউ—Go into the house.
লাইরিক অদু উপু মনুংদা হাপচিল্লু—Put the book into the box.
গঙ্গা হায়বা অসি বঙ্গসাগরদা ভাই—The Ganges flows into Bay of Bengal.
মাসি ইংরেজীদা অনুবাদ তৌ—Translate this into English.
হিংচাবা অদুনা উচি ওল্লমই—The giant was changed into a mouse.
অরাবদা তাবা To fall into difficulties
ঈশিং দা লুপপা—To plunge into the water.

Exercise 57

Translate into English :—

ভারতবর্ষ হায়বা অসি এশিয়াগী মনুংদা লৈ। নাহাক হৌজিক অৱাবদা তারে। হৌদোংনা অমম্বদা উবা ফংই। হিংচাবা অদুনা অমুক নোংশা অমা ওল্লে। ঐগী শেল অদু লুপা ময়েক ওইনা পীয়ু। ঐনা লোম্না কবিগুরু অমগুং হায়গে। মাহাক্না অরেম্বদা কপলম্মী। মাহাক পঞ্জাবতা লৈরম্মী। ইংরেজী মতেক অসি মৈতৈরোল্দা হন্দোকউ। শুম্নমক্না ঐখোয় তবেংনি। নিংথমথাদা উগী মনা পুম্নমক কেল্লি। ব্রহ্মপুত্র তুরেল পদ্মা তুরেল্দা তাই। তুরং উপুদা ফিশিং অসি হাপচিল্লু। চাউবা থা অমগী মনুংদা অনাবা ফবগনি। অযুক্না ঐহাক কেইবা চংলি। অঙাং অদু পুক্নিদা লুপখরে। মনিপুরদা লোক্তাক হায়বা পাৎ অচৌবা অমা লৈ।

At—দা

মাহাক হৌজিক য়ুমদা লৈতে—He is not at home now.
চাউবা পুং মঙা তাবদা লাক্কনি—Chaoba will come at five.
লামাই তরাশুবদা হাংদোকউ—Open at page ten.
থোংদা মিংতাংবা অমা লেপতুনা লৈ—A blindman is standing at the door.
মাহাক হৌজিক শান্নরি—He is at play now.
শগোল অহু য়ান্না য়াংনা চেল্লি—The herse is running at full speed.
লাল শোকনবা—To be at war.
মী অমবু নোকনবা—To laugh at a person.
পোৎ অমগী মরমদা ঙকপা—To wonder at a thing.
মাসিদা, অসি হায়বদা—At this.
থক—At all.
নংগী থবক তৌরবদি নিংথিনা তৌ নত্রগা থক তৌগনু Do your work well or not at all.
ঐ থংবা ঙমদ্রে—I am at a loss.
পুং তরুক তাবদা—At six o'clock.
নুমিৎ য়ুংবদা—At noon.
নোংয়াইদা—At midnight.

তৌইগুম্বসুং—

অয়ুক্তা—In the morning.
চহিগী মনুংদা—In the year.
নোংমগী মনুংদা In a day.
B হায়বা বিন্দুদা At the point B.
য়ুমদা—At the house.
ষ্টেট অাফিসদা—At State Office.

N. B.—At হায়বা অসি অরেপ্পা অমসুং অককনবা মতম অমসুং মফমগী মমাংদা চাপৈ অদুগা In হায়বা অসিনা চাউরবা, অশাংবা মফম অমসুং মতমগী মনুংদনি হায়না থংনৈ।

তৌইগুম্বসুং—

ইমুং মনুংদা—In the house.
এশিয়াগী মনুংদা—In Asia.
ভারতবর্ষদা—In India.
ইমুংগী কাচিন অমদা—At a corner in the house.

Exercise 58

Translate into English :—

আসাম হায়বা অসিহ্ ভারতবর্ষগী মনুংদা লৈরিবনি। মাহাক্না ঐগী খোংদা তুহুনা ভাকপিয়ু হায়জরম্মী। ক খ সরলগী মনুংদা গ বিন্দু লো। ইউরোপকী জাৎ পুম্নমক হৌজিক লান চংলে। খোংদা চাকনিবা অমা লেপতুনা লৈরি। চাউবা পুং তরেৎ তাবদা লাকনি। মানা ঐবু নোকনরম্মী। তোম্বা মমুমদা লৈতে। ভরাং ঐ নোংয়াইদা তুম্মী। মুমিৎ মুংবদা লীলা হৌগনি। লামাই নিফং শুবদা হাংদোকউ। শগোল অসি খুরুপ অচৌবা থাহুনা চেল্লি। বড় সাহেবকী বাঙ্গালাদা মুপা অমা লেপ্লি। পুং তরা তাবদা ঐ চাক চাগনি। মাহুদা ঐ শুকখি ঐহাক চমমনরে।

To – দা, নাক্তা

To না চৎপগী অর্থদা চৎকদৌরিবা, য়ৌগদৌরিবা মফম অহুগী মমাংদা হাপনৈ।

ঐনা স্কুল চৎলি - I go to the School.

ঐগী ইনাক্তা লাও – Come to me.

চাবদা হাওবা Pleasant to the taste.

মাহু ঐভোন্দা শিন্নো – Leave that to me.

মপা মমাদা তৌগদবা – Duty to parents,

ঐনা হেড মাষ্টারদা দরখাস্ত থাগনি—I will apply to the Head Master.

মৈতৈ অমগী মফমদদি মাসি অশেংবা নত্তে – To a Manipuri it is impure.

মাহাক্না ঐগী ইনাক্তা ফম্মই – He sat close to me.

হৌদোং হায়বা অসি উচিগী য়েক্লবনি—The cat is an enemy to rats.

ঐদি ভাদগী মঙ্গোমনা হেন্না পাম্মি – I prefer milk to fish.

নহাক্তি ঐগী কান্নবদি য়েংবিদে – You are blind to my interest.

চাক চাবা বার্তন তৌবা —To invite one to dinner.

ঐখোয়গা লোন্ননা লৈবা – To live next door to us.

ঐনা ক:দিং অমা ফাওবা শিংগনি—I will pay to the last farthing.

Exercise 59

Translate into English :—

মাহাক্না ঐবু ভাত্রাগী বার্তন তৌরি। চাউবা ঐগী ইনাক্তা ফমখি। শ্যামনা কলিকাতাদা চৎলম্মী। ঐগী ইচা মুপা অসিদি ভাবুদি মঙ্গোমনা হেন্না পাম্মি। মহাকনা ছোট সাহেবতা দরখাস্ত

থারে। যত্থনা ননাক্তা লাকনি। যণ হায়বা অসি ঐখোয়গী মরুপনি। মাদি ঐগা হেক লোন্নবা লৈ। মাহ্থ ঐগোন্দা শিংবনা ফগনি। চিনি হায়বা অসি চাবদা হাওই। হাওদদি মাহ্থ য়াম্না ক্লুংওাইতবনি। ঐনা নংগী শেল অহ্থু পাই অমা কাওবা শিংগনি। নংদি নচাগী ফননবগী মরিদদি করিস্থ য়েংবিযে।

For

দমক, মরম্না, দা, না, গী।

ঐগীদমক শান্নপোৎ অমতং পুবিরকউ—Get a toy for me.

শোনবা মরমনা ঐ চৎপা ঙমদে—I cannot walk for weakness.

ঐহাক কিহ্থনা বা ঙাংবা ঙমলমদে—I could not speak for fear.

হৌজিক স্কুল মতম ওইরে It is time for school now.

বঙ্গোম অসি ঐগোন্দদি ফত্তে—Milk is not good for me.

ঐনা মাসি লুপা অনি পীহ্থনা লৈবনি—I bought this for two rupees.

Exercise 60

Translate into English ;—

ঐনা নংগীদমক ছাতিন অমা পুবিরক্নি। ঐনা কিবা মরমনা বা ঙাংবা ঙমদবনি। কুইনাইন হায়বা অসি অরুমদদি য়াম্না ফৈ। নংগী ফননবগীদমক্তা ঐনা মাহ্থ হায়ব্রিবনি। ঐনা শগোল অনি লুপা চামা পীহ্থনা লৈরে।

On, Upon

মথক্তা, মরমদা, দা।

লাইরিক অসি মেজ মথক্তা থম্মু—Put the book on the table.

নিংথৌকাবদা On Monday.

হুমিৎ অহ্থদা—On that day.

গৌহাটি ব্রহ্মপুত্রগী মপান্দনি—Gauhati is on the Bramhaputra.

জামিনদা—On bail, on security.

চাউবা সিতার থোংলি Chaoba is Playing on Sitar.

ঐখোয় চাক চাহ্থনা হিংনৈ—We live on rice.

উচেক অসি পাইরি—The bird is on the wings.

মতম অমদা—Once upon a time.

য়েক্লবগী মথক্তা—Upon the enemy.

Exercise 61

Translate into English :—

মতম অমদা যাদব কৌবা মুপামচা অমা লৈরম্মী। মুকফু অসি মেজ মথক্তা থমউ। কলিকাতা হায়বা সহর অসি হুগলী তুরেল মপান্দনি। শগোলগাড়ী অসি লম্বী মথক্তা লৈ। সাহেবশিংনা তল চাদুনা হিংনৈ। কমুংদা হৌদোং অমা কুল্লি। মোইরাং হায়বা অসি লোক্তাক মপান্দনি। মহাকপু জামিন্দা থাদোক্লম্মী। হৌদোংগী মরমদা রচনা অমা ইমু। পুম্নমক্কী মথক্তা মাগী মচৎ ফজদে। অঙাংশিংনা খোম থকতুনা হিংনৈ।

Of

গী, কী, দমক, না।

লাইরিক অসিগী মমল লুপা মঙানি—The price of the book is five rupees.
নংগী নচৎ অসিগীদমক ঐ ইকাই—I am ashamed of your conduct.
চৌকি অসি উনা শাই—The chair is made of wood.

করিগুম্বদা মৈতৈলোন্দা খুদম পক্তবা যাহেমু ইংরেজীদা 'of' হাপতুনা হনবা য়াই।

মাহাক ঢাকা সহরদা লৈ—He lives in the City of Dacca.
লিলোং হায়বা খুল অসি ইম্ফাল তুরেল মপান্দনি—The village of Lilong is on the bank of the river Imphal.
চাউবদা লুপা চামা মনা পীখি—A reward of Rupees 100 was given to Chaoba.
মাহাক জুন থাদা লাকখি—He came in the month of June.
নবীন শেল লৈবা মীনি—Nabin is a man of wealth.
মাহাক অফবা শাগৈদা পোকপা মীনি—He is a man of good birth.

Exercise 62

Translate into English : —

মাহাক পুকচৎতুনা শিরে। য়ুম অসি চেকনা শাবনি। ঐঙোন্দা চা তেঙ্গোৎ অমতা পীবিয়ু। মাগী মপাগী ঘড়ী অহু মাংরে। নংগী নচৎ অসিগীদমক নপাদি য়াম্না ইকাইরে। মোইরাং হায়বা খুল অসি লোক্তাক মপান্দনি। নহাক লুপা চামা মনা ফংগনি। এপ্রিল থাদা মাহাক শিখি। চাউবদি বা অমতা ভাংবা মীনি। মাহাক মচেৎ ফজবা মীনি। পাজিনা কৌ থুমোক অমা পীরকই। মাহাক লাইখোকতুনা শিখি। যহু পুকচেল পীকপা মীনি।

About

মাইগৈ মরিদা, মরমদা রোম, মকমদা।

মাতুগী মরমদা চিংনকম লৈতে—**There is no doubt about it.**

মাহাক্কি মাতুগী মরমদা করিস্থ খংজবা লৈতে—**He knows nothing about it.**

মী নিপাল্লোম শিখি—**About eight men died.**

মানা য়ুমগী মায়কৈ মরিদা চেল্লম্মী—**He ran about the house.**

ঐখোয় নোংয়াই য়োৎমদাইদা হৌগৎলম্মী—**We woke at about midnight.**

Exercise 63

Translate into English :—

ঐদি মাসিগী মরমদা করিস্থ খংদে। ঐঙোন্দা পৈশা অমতস্থ লৈত্রে। মানা ঐঙোন্দা মাসিগী বারী শারম্মী। মাহাক্না পুং তরুক তারমদাইদা ঐগীদা লাকখি। চাউবনদি ঐগী মরমদা করি খংগনি। মঙোন্দদি লুপা অমতা লৈহৌত্রে। পুং অস্থমল্লোম তাবদা ঐখোয় উনসি। মাহাক্না চাক তাংবগী মরিদা ভাংগনি। ঐখোয়গী খুনগী নাক্তা নারক ভাক্তনি। অভাং য়াংখৈরোম লাকখি।

Through

মনুংফাওনা, মরমনা।

ঐনা উমং অতুগী মনুং ফাওহনা চেল্লমই—**I ran through the wood.**

ঐখোয়না লাইরিক অতু লোইনবা পরম্মী—**We went through the book.**

মাহাক্না ঐখোয়বু মিস্থংথোংদগী য়েংলমই—**He looked at us through the window.**

মাহাক্না কাইবদগী (মরমনা) বা ভাংবা ভমখিদে—**He could not speak through shame.**

Through out—চুপ্পা চুপ্পা।

মহাক্কি মপুনশি চুপ্পা নুংঙাইখি—**He was happy through out his life.**

Exercise 64

Translate into English:—

জঙ্গল অসি ফাওনা লম্বী অমা লৈ। চাউবনা ইতিহাস অসি লোইনা পাখ্রে। তা অহুনা তোম্বগী মথবাক্তা থুমনা চংখি। হরিনা খোংনাওদগী য়েংথোকখি। উচেক অমা ইমুং মনুং কাওহনা পাইথোকখিরম্মী। মাহাকনা চহিচুপ্পা নাহুনতা লৈ। ঐখোয়না সনথোং লানশিন্দুনা শঙ্গাইদা চৎলম্মী। ঐহাক মহাভারত পাবা লোইরে। তেন অহুনা ভীমগী মথবাক্তা থুমনা চংখিরম্মী। ঐনা মীনাইবু চিঠী অহু মাঙোন্দা পীহল্লুই। উচেক অসি কালেন্দা চুপ্পা খোংহুনতা লৈ। চাউবীনা বাবনা কপলম্মী।

Under—মখাদা।

উগী মখাদা ফমসি—Let us sit down under the tree.
লম্বী অপুম্বা ঈশিংনা থুমলে—The streets are under water.
নংগী বা অহ্ন খন্নরি – Your case is under consideration.
মাহাক নহা ওইরি (চহি মতাং চাদ্রি)—He is under age.
মাসিগী মখাদা নমিং ইয়ু–Write your name under this.

Exercise 65

Translate into English :—

ইম্ফাল অপুম্বা ঈশিংনা থুমখ্রে। ফাদোক অসিগী বিচার তৌনরি। ঐখোয় নহাক্কী লমল তোল্লি। নংগী দরখাস্ত অহ্ন দরবারদা খন্নরি। ঐনা খোংনাং অসিগী মখাদা পোত্থাগনি। ইরিবা অসিগী মখাদা সোই তৌ। মসি কাংবু অসিগী ময়ুং চল্লি। তোম্বা য়াম্না নহানি।

Over—মথক্তা, হেন্না, লান্না।
মফম পুন্নমক্তা—All over

চাওরেন্না মণিপুরগী মফম পুন্নমক্তা কোয়খিরম্মী—Chauren travelled all over Manipur.
বঙ্গদেশকী মফম পুন্নমক্তা ফৌ থোকই – Rice is grown all over Bengal.
ঐখোয়গী কোকথক্তা উচেক শঙ্গু অমা পাইরি—A flock of bird is flying over our heads.
ছাতিন অসিগী মমল লুপা তরাগী মথক্তা ওইগনি—The price of this umbrella will be over ten Rupees.
চৈগু অসি ফুট অহুমদগী হেন্না শাংই –The stick is over three feet in length.
তোম্বনা খোং অহ্ন লান্না চোংলমই—Tomba jumped over the canel.

Exercise 66

Translate into English :—

ফি অসি খুহুপ তরাদগী হেন্না শাংই। মাসি সের তরামআদগী হেন্না লুম্বা য়াই। মাগী মকোক মথক্তা ছাতিন অসি থরা পায়বিয়ু। ঐহাক থাংজদগী হেম্বনা লৈবা ঙম্মরোই। ষণ অহুনা মম্বল লান্না চোংলম্মী। ঐনা ঐখোয়গী কোকথক্তা বেলুন পাইবা উখি। লাইরিক লৈবদা লুপা কুন্থ্রাদগী হেন্না চংঙ্গ্রে।

Towards

লোমদ, রোমদা, দমক, রকপদা।

রাজ বাবুনা মহাক্কী মখুল লোমদা চৎলি—Rajbabu is going towards his village.

শগোল অসি কাংজেবুং লোমদা চেল্লি—The horse is running towards the pologround.

মচাগী মহৈ তম্নবগীদমক মাহাক্না শেল চাদিং তৌরে—He has spent a large sum of money towards his son's education.

সন্ধ্যা য়োরকপদা ঐনা য়ুমদা থুংখি—I reached my house towards the evening.

লাইরিক্কী মমৈ ওইনা ঐনা ৱারী অমু ফংখি—I found the story towords the end of the book.

Exercise 67

Translate into English :—

চাওখোইস্থু ইম্ফাল লোমদা চৎলম্মী। উচেক অসোমদা য়েংউ। ঐনা ইনাওগী মহৈ তম্নবগীদমক লুপা চামরি থাকলে। অহিংগী মমৈ ওইনা ঐহাক তুমথরম্মী। ঐখোয়না মোইরাং তয়া চৎলম্মী। ইচামুপীগী লুহোংনবগীনমক লুপা চাতরেৎ থম্মী।

Aboue -মথক্তা, হেনবা।

চাউবনা ক্লাসতা ঐগী ইথক্তা লৈ—Chaoba is above me in the class.

যদু চহি তরাগী মথকনি—Jadu is above ten years.

ঈশ্বর হায়বা অসি ঐখোয়গী শৌশিংনা ফংবা ঙম্বা নত্তে God is above our knowledge.

After--মতুংদা, মরমদ।

বীরচন্দ্রনা পুং ৫ তারবা মতুংদা লাকলমই—Birachandra came after five.

হুই অমুনা চাওবগী মতুংদা চেল্লম্মী—The dog ran after Chaoba.

তোম্বা হায়না অসি ঐনা য়াবা মীতামক্নি—Tomba is after my heart.

Across লাম্দুনা, কাওদুনা।

মহাক্না লৌবুক কাওহুনা চেমখিরম্মী—He ran across the field.

কনাগুম্বগা থেংনবা (উনবা)—To come across one.

ঐনা তোম্বগা লম্বীদা থেংনরম্মী—I come across Tomba on the road.

Exercise 68

Translate into English :—

ঐখোই পুং ৫ তারগা য়ুমদা চৎকনি। ঐগা মাধবকা লম্মাং অহুদা থেংনরমই। লাইরিক অসি ঐনা পাম্বমকনি। চাউবগী চহিকুন হেল্লগনি হায়না নিংই। মহাক্কী মকোক ঈশিং মথক্তা উরম্মী। মহাক্কা কাংজেবুং লাম্দুনা চেনখিরম্মী। চাওবনা ঐগী ইতুংদা চেল্লি। নারক অহুদা ঐখোয়না কৈ অমগা থেংনরম্মী। খোংউপ অসিগী মমল লুপা নিপান্দগী হেল্লি।

Between—মরক্তা (অনিগী)।

ইম্ফাল অমসুং ডিমাপুরগী মরক্তা—**Between Imphal and Dimapur.**

Among মরক্তা, মনুংদা, (ময়ামগী)।

ঐখোয়গী মরক্তা—**Among us.**

Before—মমাংদা।

ঐহাক পুং তরামাখোই তাদ্রিভৈদা (তাবগী মমাংদা) স্কুলদা চৎলি—**I go to school before eleven.**

মহাক ঐগী মাংদা লেপখি - **He stood before me.**

মাসিগী মমাংদা **Before this.**

Around, round—অকোয়বা।

য়ুমগী অকোয়বা— **Around the house.**

Behind —মতুংদা।

মাগী মতুংদা – **Behind him.**

Along - ইন্না।

তোর্বান মতুংইন্না—**Along the Bank.**

Amidst মরক্তা।

মরুপশিংগী মরক্তা – **Amidst the friends.**

Exercise 69

Translate into English :—

ঐহাক পুং তরামাখোই তাদ্রিভৈদা স্কুল থুংনবা হোৎনৈ। মাহাক্কা অওম্বগী মমাংদা লেপ্লমই। য়ুম অহুগী অকোয়বদা লৈ পাম্বী হৌরম্মী। যবী অহুগী মতুংদা মুপী অমা লেপলম্মী। ঐখোয়না তোর্বান মতুংইন্না চৎখরমই। মাহাকনা তুংগী করি অমতা খঙ্গিরমদ্রে। চাউবনা ঐগী তুংদা চৎ..ম্মী। ইম্ফাল অমসুং ডিমাপুরগী মরক্তা নিতৌগী মোটর গাড়ী চৎলি। ঐখোয়গী মরক্তা অসুম্না লেপনখি। মপানা চাউবগা তোম্বগগী মরক্তা লুপা লিশিং অমা য়েনবিরম্বী।

Till—কাওবা

চাউবা নুমিৎতাবা কাওবা থবক শুখি—Chauba worked till sunset.
মাহাক্না হল্লকপা কাওবা—Till his return.
মাহাক্না হল্লকত্রিবা কাওবা—Until his return.

But, Without—নত্তনা।

মাহাক শঙোম নত্তনা করিস্থ চাদে—He takes nothing but milk.
নং নত্তনা—But you, without you.
থীন্দনা—Without delay.
মাদি ছুটি লৌদনা চৎখ্রে—He has gone away without taking leave.
নংনা পাংবিত্রবদি - Without your help.

During—(মতমগী) মনুংদা।

মাহাক ছুটীগী মনুংদা করি তৌগনি—What will he do during holidays.
অকৎম হৌরিঙৈদা—During fever
মানা লৈরিঙৈদা—During his stay.
লর্ড রিডিংনা লৈবাক ঙাকপা মতমদা—During the administration of Lord Reading.
চন্দ্রকীর্ত্তি মাহারাজনা পাল্লিঙৈদা—During the reign of Chandrakriti Maharaja.

Since—(অককনবা মতমদগী) হৌহ্নুনা।

পুং মঙা তাবদগী হৌহ্নুনা—Since 5 o'clock.
মানা শিবদগী হৌহ্নুনা Since his death.
ঐহাক ঙরাং নুমিদাংদগী অকৎম হৌরক্লি—I have been suffering from fever since yesterday night.

Exercise 70

Translate into English :—

মাহাক্না হল্লকত্রিবা কাওবা ঐহাক ঙাইরম্মী। নহাক নত্তনা মী শুমক লাকখি। নংনা পাংবি-রমত্রবদি ঐ মাংঙমগদবনি। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা পাল্লিঙৈদা অমুক কন্না মুহায়াখি। ঐনা কালেম ছুটী মনুংদা থবক অসি তৌরম্মী। ঐনা নুমিৎ য়ুংবা কাওবা থবক শুরম্মী। ঐহাক অমুক পুং ৫-তাবগী অহ অসি হোৎলকই। ঐদি ঐশিং নত্তনা কদি অমত্তা থক্কে। মানা কলিকাতাদা লৈরিঙৈদা লাইরিক অসি লেংখি।

Adverbs.

হৌজিক – Now, মতমলৈবা খিবিক্তা—Always, মতম অদুদা— Then, When ; কৈদোউঙৈ, করম্বা মতমদা—When, মফম অসিদা—Here, মফম অদুদা—There, where ; মফম কদাইদা, কদাইদা—Where, মফম অসিদগী—Hence, মফম অদুদগী—Thence, কদাইদগী Whence, করি করিগুম্বা মতমদা—Some times, হৌজিক ফাওবা—Still, মতম অমদা— Once, once upon a time, থুনা – Soon, quickly, থীননা, থেংনা—Late, অয়না—Early, অমুকহন্না—Again, হন্না হন্না Again and again, মরক অসিদা, ভাভা অসিদা - Meanwhile Meantime, মনাক্তা—Near, by, তিন্নবা, অমতা ওইবা—Together, মপান্দা – Out, Outside, মনুংদা – Inside, মাংদা - Forward, মমাংদা – Before, হান্না মমাংদা- Already, অনিশুবা – Secondly, ঙসাহান – Day before yesterday, হংচিং— Day after tomorrow, মপুং ফানা—Quite, মথং মনাও নাইনা—By turns, করিগুম্বদা - Occasionally.

Exercise 71

Translate into English :—

পাবা অসি হন্না হন্না পাউ। মবক অসিদা ঐহাক ডাকঘর চৎকনি। নংদি থেংনা লাকই। মাহাক্না ঐগী ইনাক্তা লেপখি। হংচিং ঐহাক কোনুং কাগনি। মাহাক মপান্দা থোকখিরম্মী। মতম অমদা যন্থু বোবা ঈশৈ শবপা অমা লৈরম্মী। ঐখোয় তিন্নবা চৎসি। ঙসাহান ঐ পোরোমপাত্তা চংলুই। ঐহাক্না সনা মাংদা চংশিল্লমই। মাদি হন্না চৎখ্রে। থুনা লাউ। মফম অসিদগী মোইরাং মাইল ২৮ নি। মানা লাকপা মতমদা ঐদি চারমলী।

Adverbs (Contd.)

Very, Much—য়াম্না।

Very গা much গা শীজিন্নকম থেম্নৈ ; very না adjective কী মমাংদা অদুগা much না past participle গী মমাংদা হাপকগদবনি।

মাহাক য়াম্না ফৈ—He is very good.
মাহাক য়াম্না হেন্না ফরে—He is much better.

Never—থক, নত্তনা।

Never হায়বা অসি নত্তবগী অর্থ গা শীজিনৈ।

থক মীনম্বা ভাংগনু - Never tell a lie.

মতোমদা – Allone, হায়রপ, খরদং – Slightly, হৌজিকমক Presently.
ঐ হৌজিকমক লাকনি – I will come pre'ently.

Immediately থুদক, অহুমক্তদা।

হুরানবা অহু পুলিস উবা থুদক অহুমক্তদা চেনখিরম্মী—The thief saw the police and immediatly ran away.

(হাক্না বাক্তে ময়ারে হায়বা অর্থদা pretty শীজিন্নৈ।)
মাসি মচাউই—It is pretty large.
মাসি মফে—This is pretty good.

Just কী শীজিন্নকম।

ঐ হৌজিক্তা লাক্লিবা অসিনি—I have just come.
ঐনা পাম্বদি অসিমকনি – It is just the thing I want.
নংগী পেন্সিল অহু অমুক্তা পীয়ু--Just let me have your. pencil.
(হাকমনবগী অর্থদা Too শীজিন্নৈ।)
মাসি পিকমল্লি – This is too small.
মাহুদি ফমল্লি—That is too good.
(ওইরবস্নু য়াই হায়বগী অর্থদা—Perhaps, probably শীজিন্নৈ।)
মাহাক ময়ুমদা চৎখিবা য়াই—Perhaps, he has gone home.
চাউবা থাংজ নুমিত্তা ময়ুম চৎলবা য়াই—Chaoba will probably go home on Saturday.
(Rather, মহৌশানা comparative কী অর্থদা শীজিন্নৈ।)
অমুপ চোপমা হিংহুনা লৈগদবগী শক্রকপুদি শিবনা কৈ – I would rather die than live in such a disgrace.

Far – লাপ্পা, য়াম্না, (অয়াম্বদি)

অনাবা অসি (হান্নদগী) য়াম্না হেন্না করে—The patient is far better now.
(নত্তনবা নম্বদা--Hardly, scarcely, seldom শীজিন্নৈ।)
মাহাক অহিংদা তুমদবগুমলে—He scarcely sleeps at night.
অঙাং অসিদি চহি তরা গুদবদা নমই –This boy is hardly ten years old.
মাহাক্তি মরৈবাক য়েংবা নুপচং চত্তবা হায়বা অত্তনি – He seldom visits his native land.

(ওইগে হায়বমথৈ ওইসনু হায়বা অর্থদা However শীজিন্নৈ।)

নংনা ফনা শিংথুনস্থ ওজাগী মতেং নত্তনদি যাম্নি হৈবা ঙম্মোই—However intelligent you may be you cannot learn it without your teacher's help.

Exceedingly—য়াম্না য়াম্না।

(Much অমসুং Very দগী য়াম্মি হায়বা থংনৈ)।

ঐহাক য়াম্না য়াম্না নুংঙ ইজরে—I am exceedingly glad

মরোইরে হায়বা অর্থদা—Almost.

ঐ চিঠি ইবা মরোইগদৌরে—I have almost finished to write my letter.

A Little—খরদ।

ঙাইহাক্কা ঙাইবিয়ো—Wait a little.

মাহাক ৱা কয়া ঙাংদে—He talks little.

So—অসুপ

ঙসিদি অসুপ য়াম্না শালাংলে, ঐখোয় থবক তৌবা ঙমদ্রে—It is so hot to day that we cannot work

Ever—মতম নৈবা খিবিঙ।

চাউগে হায়বমথৈ চাউসনু—Be it ever so great

Exercise 72

Translate into English :—

অনাবা অসি ঙসিদি ফনা ফবগুম তৌরে। ঐহাক পারা ফানবা কন্না লাক্লরি। শগোলনা য়াম্না য়াংনা চেন্নবা ঙম্মি। নৈ অসি মফজে। মাহাক অমুক লাক্লরোই। চাউবদি থক নত্তবা থবক তৌদে। খোঙুপ অসি পিকমনত্রে। ঐ য়াম্না চোকথরে। নহাল মুপা মচা অমা পুথ্রীদা তাই। হোরেল ঐখোয়না কাপি তৌগনি। মাহাক ঙসাইদা লাক্লমী। নংগী পাজি কদৌউঙ লাকনি। তত্তনা নোমশিল্লু অৱাৎপা থক নৈরোই। মাহাক্তি কোন্না লাকপনিনা মপান্দা লেপতুনা নৈরে। কন্নিগীদমক কপ্নিবনো ? ইবুংঙো নহাক ঙঙাইফদনা লাক্তবা য়াদে। নখোই চিন্নন্দা চৎলু। শা, কৈ নৈরম্বনু থংদে, চেকশিন্না চৎলু। মাহাক্তি পংনা লাক্তে। থেমলা থেংলগা মাদি খোইনদুম কপশিল্লক্রে। ঐদি ত্ৰুমা হুন্দরগে। নংগী কলম অদু অমুক্তা য়েংসি।

Conjunctions

And—অমসুং

(And না তাইনবা singular nominative পুম্নমক্তা verb অহ plural ওইগনি ।)

চাউবা অমসুং তোম্বা শান্নরি—Chaoba and Tomba are playing.

মধুগা হরিগা লাক্তে—Madhu and Hari are absent.

ইপাসু ইমাসু শিরে—My father and mother are both dead.

ঐসে বিধুনে লাকনি—Bidhu and I will come.

If—বদি

বারবদি ভাইহাক্তং পোথাউ—If you feel tired, take a little rest.

নং লাক্লবদি ঐসু চৎকনি—If you come, I too shall go.

(If অসি করিগুম্বদা অহংবদসু শীজিন্নবা য়াওই)।

পাজি য়ুমদা লৈরা হায়বা খংদে—I do not know, if my father is at home.

Though, although বসু

মাহাক্তি লাইরবসু পুকচেল তিংই—Though he is poor, he is honest

But তৌইগুম্বসুং

তোম্বী লৌশিংদি শিংই, তৌইগুম্বসুং য়াম্না ভল্লি—Tombi is intelligent, but he is very idle.

মরম অসিনা—So, therefore.

মরমদি—Because, নত্রবদি, অহ নত্রবদি—Or, otherwise.

হৌদোং নত্রগা উচি—A cat or a rate.

কল্লা হোৎনৌ নত্রবদি পরিক্ষা ভগ্নোই—Try your best, or you cannot pass the examination.

ঐনা লমথাং অপুম্বা চেল্লম্মী, মত্রবদি ঐ গাড়ী ফংলম্মোইদবনি—I ran all the way, otherwise I shall have missed the train.

Yet—অদুমকপু

মাহাক ভবদি ভবক্সি অদুমকপু হন্না হন্না হোৎনরম্মী—Though he failed, yet he tried again and again

As if—গুম্না, দৌনা

মাহাক্তি করিসু খংদবগুম্না (দৌনা) উই—It seems as if he knows nothing.
ঐনা শগোল অসিগী মথক্তা লৈপাক্তা লেপ্লগুম্না লেপ্পি—I am standing on this horse, as if I stand on the ground.

Less হায়বা অসি মমৈদা করিগুম্ব। অমা থোকউগনা হায়বগী কিহুনা হায়বা অর্থ থংনৈ।

থোংউগনা হায়বগী কিহুনা ঐহাক চেল্লম্মী—I ran, less I should be late.

Till—ফাওবা

মাখোয়না থা থোক ফাওবা ভাইরম্মী—They waited till the moon rose.

Until—(হন্দ্রিবা) ফাওবা

ঐনা লাকত্রিবা ফাওবা ভাইরম্মু—Wait until I return.

Unless—নত্রবদি

পাত্রবদি নং পরিক্ষা ভম্মোই—Unless you read, You will get plucked.

As লৈভদা, মরম্না

ঐনা য়ুমদা চংলিভৈদা মধু লাক্লম্মী—As I was walking home, Madhu came.
পুকচেল শেংবা মরম্না ওজানা মাবু চাল্লি—As he is honest, the teacher loves him

That—

তোম্বনা চাওখংননবা পাই—Tomba reads that he may improve.
মাহাক নাবা ফরে হায়বা অসি অওইবনি—It is certain that he has recovered.
মাহাক ভমগ্রে হায়বা তাবদা ঐ য়াম্না বাই—I am sorry that he has failed.

Only—

ইনিংবা মথৈ ইয়ু, তৌইগুম্বসুং পাবদদি থোক্রবা ইয়ু—Write as much as you want, only let it be legible.

Exercise 73

Translate into English :—

ঐগা চাউবগা চংলুই। থোইবনে অমুবনে শাম্লমী। তোয়াইমা মশক্তি থী, তৌইগুম্বসুং মরমচাত্তি য়াম্না ফজে। লোল [illegible] ত্রায়রা নত্রবদি চোপচগনি। হৌজিকমক চংসি, নত্রবদি ঐখোয়

শে য়দনা থেংলুগনি। মাহাক অরুম হৌরে, মরুম হুদুনা ঙসি স্কুল কারকপা ঙম্মরোই। মাখোয় অসি য়াম্না রেংখিনৈ করিনা হায়বদু মাখোয়, অনি অসি লোম্নবী মচানি। নোং হাংজিবমখে অনিদা লৈমু ঃ নত্রবদি চোৎলগনি। কম্না হোৎনত্রবদি তোম্বা পরীক্ষা ঙম্মোইদৌমাদে। মাহাক চাউবদি চাউরা হায়বদু য়াম্না পংই। নংমু ঐমু শিবা হায়বা অদুনি। মাহাক্না তৌগত্রা হায়বদু তৌরে ; অদুগা ঐনা তৌগে হায়বদু য়াদে। নুপা অদুমগী কাদি লৈকরে অদুমকপু ওকখিরোই হায়রি

The Past Continuous

অঙাংশিং শান্নদুনা লৈরম্মী—The boys were playing.

তোম্বা অঙ্ক অমা তৌদুনা লৈরম্মী—Tomba was doing a sum.

শন্নীশিং অদু লৌবুক্তা শজিক চাহৌই—The cows were grazing in the field.

মনিদি মাগী পারা ওরাইহৌই—Mani was learning his lesson.

অদুম্না তৌদুনা লৈরম্মী, তৌহৌই অসিনচিংবা অসিগী Past Continuous tense ওই। তৌইগুম্মসুং মৈতৈরোন্দদি Present ontinuous গী খুদম চপমান্নবসু য়াওই ম'দু Adverb কী পাইনা খংনগনি।

ঙরাং মানা চৎখিবা কাল অদুদা ঐদি লাইব্রিক গুদুনা লৈরি—I was writing when he went away yesterday.

Exercise 74

Translate into English :—

ঐনা হাকুম শিলোং চৎপা কান্দা মানা থবক অসি হৌহৌই। ঐনা লহাল ডাকঘরদা চৎপা কান্দা অঙাংশিং কাংক্লেবুংদা শান্নহৌই। ঐনা লহান কোম্নুং কারুবদা মহারাজ ক্রিকেট থোমদুনা লৈরম্মী। মাহাক ঐগীদা লাকপা মতম অদুদা ঐদি তাস শান্নদুনা লৈরম্মী। হাকুম মানা চৎখিবা মতম অদুদা নংদি স্কুলদা লাইরিক তমদুনা লৈরি। পাজীনা শিগ্রবা মতুংদসু ঐ লাইরিক তমদুনা লৈরম্মী। মানা লাকপা মতম অদুদা ঐখোয় ঈশৈ শক্নুনা লৈরম্মী।

The Past Perfect

ঐনা থুংগ্রিঙৈদা চাউবা চৎখিরমলে—Chaoba had gone before I came.

নখোয়না উজিঙৈনা ঐনা মাবু উরম্মী—I had seen him before you did.

নহাক্না লাকগ্রিঙৈদা ঐনা মাঙোন্দা শেল পীখিরম্মী—I had given him money before you came.

তোম্বা চৎপগা চাওবা লাকখি—Chaoba came after Tomba had gone.

মানা স্কুলগী শেল পীরে হায়রম্মী – He said that he had paid the School-fee.

নবীননা স্কুল কারকপা মতমদা সনাহলদি লাক্লমদ্রি Sanahal did not come when Nobin had come.

ঐনা লাকত্রিবৈদা মানা থবক অতু লোইথোকখি – He had finished the work before I came.

অসুম্বা থবক অনিথক Past Tense দা ভাক্তা ওইরবদি অহানবদা থোকপা থবক অদুদা Past Perfect Tense শীজিন্নৈ।

Exercise 75

Translate into English :—

ঐদি ওজা লাকত্রিবৈনা লাকখি। ঐনা মোইরাং চত্রিবৈদনা মাহাক কোহিমা চংখিরম্মী। তোম্বীনা চত্রিবৈদনা মচেনা চারম্মী। মাহাক চংরে হায়দুনা মতোম্না হায়রম্মী। পাজিনা হায়দ্রিবৈনা ঐনা মাসি হায়খি। ডাক্তর লাকত্রিবৈদা অনাবা অদু শিখি। ম'হাক ঐগী ইমুং লাকখি। লালানা থুডত্রিবৈদা মপা শিরম্মী। মাদি ঐনা চত্রিবৈদনা চংরবনি। থুমিৎ তাদ্রিবৈদনা ঐখোয় য়ুমদা থুংলম্মী। থুমিৎ থোকত্রিবৈনা ঐখোয় খোংশান্দোকলম্মী।

Correlatives

Both....... and

চাওবমু তোম্বমু লাক্লম্মী—Both Chauba and Tomba were present.

Such.........as

লাইরবা মীগী মতেং পাংবিয়ু—Help such men as are poor.

Either... ....or

ঐহাক নত্রগা ঐগী ইনাওনা চংকনি—Either I or my brother will go.

Neither........nor

ঐগী মরুপমু লৈজদে শাগে নাইমু লৈজদে—I have niether friends nor relatives.

Whether......or

ঐ চংকদ্রা চংলোইদ্রা খংদ্রি – I do not know whether I shall go or not.

The same....... as

মাসি ওরাং ঐনা উনরবা মুপা অদুমনি—This is the same man as I met yesterday.

So........that

ঐদি অসুপকী মতিক শোল্লি. লেপ্পা য়োঁনা ঙমদ্রি—I am so weak that I cannot even stand.

চাউবদি ঐমুক বাংদে—Chaoba is not so tall as I am.

Rather........than

ঐদি নিজুনা চাগদবগী শরুকপুদি শীজখিগে—I would rather dei than beg.

Other........than

মাসি পুম্নমক অসি নত্তবা ঐগী অতৈস্থ য়াম্না লৈরি—I have many other books than these.

Not only........but also

মাহাক্তি ইংরাজীদস্থ নত্তনা সংস্কৃতস্থ নিংখিনা খংই—He knows not only English but also Sanskrit well.

No sooner........than

মাহাক্না ঐবু হেক উবগা চেংশোকখিরম্মী—No sooner did he see me than he ran away.

ঐখোয়না উমং অদু চংলমচংফাক্লিঙনা কৈ খোংবা তারম্মী—No sooner did we enter the wood than we heard the roar of a tiger.

As........as

য়াবমখৈ থুনা—As soon as possible.

মাসি বঙ্গোমমুক ঙোই—It is as white as milk.

Exercise 76

Translate into English :—

ঐগীদি কলমস্থ পেন্সিলস্থ লৈজদে। পাবুংলা ঐরা অমা লাকনি। অমুবদি অসুপকী মতিক কল্লি, মুং অসি ইরাইলায়না থাঙ্গৎপা ঙম্মি। অসি নত্তবা ঐগী শগোল অনি অমস্থ লৈরি। নপাদি মখোংস্থ তেক্লে, মমিংস্থ তাংলে। অসুপ ইকাইগদবগী শরুকপুদি শিজখিগে। ঐখোয়না হেক থুংবগা লীলা হৌখি। পাশ ওইবা অঙাংদা কাখৎহনগনি। ইবোতোম্বি ইবদস্থ নত্তে, পাবস্থ য়াম্না কৈ। ইবা হেক লোইবগা চংপস্থ য়াগনি। মাহাক লাক্কদ্রা, লাকওইদ্রা ঐ হায়বা ঙমদে। ঐদি মংমুক ফত্তবা মীদি নত্তে। ঐদি মুপী থিগদবগী শরুকপুদি থিদনা লৈজগে (to live single)। অমুনবা হৈদ চাক্লিংই। ঐগী মাংখিবা লাইরিক অদু অমিমক্লি।

Clauses

Sentence হায়বা অসি মহোৌশানা মথল অহুম শুই—Simple, Complex, Compound.

Subject অমা অমসুং Predicate অমত্তা য়াওবা Sentence অদুবু Simple Sentence কৌই। মাদুদি—Ram goes to School. The horse is a useful animal.

করি করিগুম্বা sentence গী তোঙান তোঙানবা শরুক্কী তোঙান তোঙানবা subject অমসুং predicate য়াওবা য়াওই ; মাদুদি—I do not know when he will come হায়বা sentence অসিদা ঐখোয়না finite verb য়াওবা sentence অনিথক উই, I do not know হায়বা অমা অদুগা when he will come হায়বা, অমা অসিগুম্বা sentence অসিবু Complex Sentence কৌই। অমসুং subject অদুগা finite verb য়াওবা (sentence) মপুংগী শরুক sentence অমমম্বনা Clause কৌই। I do not know when he will come হায়বা অসিদা I do not know হায়বা অসিনা মরু ওইবা sentence নি ; when he will come হায়বা sentence অসিদি know হায়বা verb অসিগী object কুপ্না শীজিন্নি।

I do not know হায়বা অসিনা Principal Clause অদুগা when he will come হায়বা অসিনা Subordinate Clause কৌই।

মতোমতনা অর্থ মপুং ফাবা য়াবা অনি নত্রগা অনিদগী হেনবা simple নত্রগা complex sentence বু Co-ordinating conjunction না তাইনহল্লবদি sentence অদুবু Compound Sentence কৌই। মাদুদি :— মাহাক লৌশিংদি শিংঙি তৌইগুম্বসুং তল্লি—He is intelligent, but he is idle. মাসিদা অর্থ মপুংফাবা he is intelligent অমসুং he is idle হায়বা simple sentence অসি অসিবু but হায়বা conjunction অসিনা তাইনহল্লে। মরম অসিনা sentence অসি Compound Sentence নি।

Noun-Clauses

মাহাক কদোঁউ লাকদগে হায়বা ঐহাক খংদে—I do not know when he will come.

চাউবনা মপা নাই হায়—Chaoba says that his father is ill.

তোম্বা নাই হায়বা তাব্রবরা—Have you heard that Tomba is ill ?

লৈরেন্না মাসি খংই হায়বা অসি চুম্বনি—That Leiren knows it is true.

ঐ লাক্লোই হায়দুনা মাঙোন্দা হায়য় Tell him that I will not come.

নহাক পুম্নমক খংবগুম উই It appears that you know everything.

Sentence পুন্নমক অসিদা লৈই চিংপ্রিবা clause পুন্নমক অসি subject, object অমসুং compliment ওইদুনা noun গী থবক তৌরে; মরম অসিনা মখোয় পুন্নমক অসি Noun Clause হাকুনি।

Exercise 77

Translate into English :—

থোইবনা করিগীদমক স্কুল কারক্কবগে হায়বা ঐ খংদে। ঐ বা ভাংপ্ররোই হায়বা অরেপ্পনি। নং লাক্লবদি অমুম্না ভাংলগনি হায়বা অসি হায়না খংনরবা পোংনি। নং হয়েং লাকদরা লাক্লোইদরা হায়রমউ। নহাক পরীক্ষা পাশ ওইরে হায়বা তারে। লাইরিক অদু থরা থুনা হনবিরকউ হায়দুনা ওজাদা হায়রিবু। নং নপা নারে হায়বা তাদরা? নং কনানো ঐদি খংদে। নংদি ইউউদবগুম উরে। ঐহাক অসি নংগী ওজানি হায়বা কাউরবরা?

Adjective-Clauses.

ঙরাং স্কুলদা লাক্লবা অঙাং অদুদি অসিনি—This is the boy <u>who came to our School yesterday.</u>

বৃত্তি ফংই হায়বা নিপা মচা অদু অসিনি This is the boy <u>who has got scholarship</u>

ঐনা লৈরিবা খুন্দি অসিনি—This is the village <u>which I live in.</u>

ওজা অহম্না কুথি হায়বা অঙাং অদু ঐ খংই—I know the boy <u>whom the Head Master beat</u>

মম্না মপা অনিমক শিরে হায়বা নুপীমচা অদু নং উবরা—Have you seen the girl <u>whose father and mother are both dead.</u>

মফম পুন্নমক অসিদা লৈই চিংলিবা Clause পুন্নমক অসিনা মমাংগী word পুন্নমকপু qualify তৌদুনা Adjective কী থবক তৌরি মরম অসিনা মাখোয় পুন্নমক অসি Adjective Clause হাকুনি।

Exercise 78

Translate into English :—

তোম্ববু চিকই হায়বা হুই অদু অসিনি। মিন্নুংথোং থুগাই হায়বা অঙাং অদুবু ওজানা ফুরে পাবা থোক্লবা অঙাং মথৈ মেজ মথক্তা লেপ্পি। উচি য়াম্না ফাবা হৈ হায়বা হৌদোং অদু অসিনি ঈশিংদাতাই। উচি হায়বা অঙাং অদু শিরে। ইনাওবু ফুই হায়বা মী অদু কদাইদনো? লৈপাক মচাশা। দোলাই তোংনিংবা মী কনাগুম্বা য়াওবরা? লৈম্বা নিংথৌদা লংজবা মীদি শোয়দনা দণ্ড ফংগনি। পরিক্ষাদা য়েংলবা অঙাং মথৈ চৈ তরামত্তা ফুগনি।

Adverb-Clauses

মুমিৎ থোকত্রিঙৈদা ঐখোয় থোংশান্দোকলমই– We had started before the sun rose.
ঐদি মাহাক লাকত্রিবা ফাওনা ভাইরম্মী—I waited until he came
নোং তাত্রবদি ঐখোয় কোইথোকপা চৎকনি–We shall go out for a walk unless it rains
লাইরিক অদুদি নংনা হুনদোক্লম্বা মফম অদুদা ফংগনি—You shall get the book where you left it.
পাজিদি নারছুনা লাকপা ঙমদ্রে– My father cannot come, as he is ill.
থেংনবা ঙম্মখৈ থুনা চেল্লো—Run as fast as you can that you may not be late.
মাহাক্না পাব্রিঙৈদা নংদি বারী শাহুনা লৈরে You are talking, when he is reading.
লাইরিক অদু পানা পানা ঐনা নোক্রমই—I laughed, as I read the book.
বারবদি ভাইহাক পোখাথিসি—If you are tired let us take a rest for a little while.

মথক্ক। ইথ্রিবা sentence পুম্নমক অসিদা লৈই চিংলিবা clause পুম্নমক অসিনা verb কী মফম, মতম্নচিংবা খংহন্দুনা adverb কী থবক পোবে মরম অসিনা মাখোয় পুম্নমক অসি Adve b Clause হায়রি।

Exercise

Translate into English :—

ঐনা অসিদা লৈরিঙৈমখৈদি থক কিগনু। ঐখায় মুমিৎ তাত্রিঙৈদা মোইরাংদা থুংলবনু য়াই। নং হায়ং ভাইহাক্তং ঐখোয়দা লাকপিবদি য়াম্না নুংঙাইগনি। ঐখোয়না চৎনা চৎনা বারী শারমই। ঐনা হাযবা অমুম্না তৌ। লুপাখাউ অদুদি নংনা চিথরগা মফম অদুদা অদুমা লৈরমই। অঙাং অদুনা মমাবু উবদা মোমোন নোকখি। নোং তনা তানা মাহাক কৈথেন কাখি। নং ভাইহাক্তং লাকপি-রবদি য়াম্না নুংঙাইজগনি। ওজানা নবীনবু পাবা ফাদবগীদমক ফুখি। বারবদি উখা অসিদা ভাইহাক্তং পোখাবনা ফগনি। নংনা তুরেল মপান্দা কোইরিঙ অদুদা ঐদি ত্যারন্দা ঈশিং থক্লম্মী। থবক তৌবা কালদা থবক তৌ অমসুং শারগদবা কালদা শাল্লো। নপানা চৈদনবা থুনা চৎলু। নুংথিন্দা ঐনা তুম্বিঙৈদা মাহাক লাক্লম্মী। মুমিৎ থোকত্রিঙৈদা হৌগৎনবা হোৎনৌ। হয়েংদগী চাং নাইনা স্কুল কারবদি নমিং ককথৎপিবোই।

The Sequence of Tenses.

চাউবনা মপা নাই হাই—Chaoba says that his father is ill.
চাউবনা মপা নারম্মী হায়—Chaoba says that his father was ill.

চাউবনা মাহাক লাক্কনি হাই—Chaoba says that he will come.

চাউবনা মাহাক থুনা লাকনি হায়দুনা ঐঙোন্দা হায়রে—Chaoba has told me that he will come soon.

নহাক চৎনিংলবদি চৎপা য়াগনি—You may go, if you like.

মথক্তা ইঙ্গিবা Sentence পুন্নমক অসি পারগা ঐথোয়না থংবা ডমই। Principal Clause দা Present, Future অমস্তুং Present Perfect Tense লৈরবদি Subordinate Clause দা লৈবা Verb অদুদি Present, Past নত্রগা Future Tense ওইবা য়াই। তৌইগুম্বস্তুং Principal Cause গী Verb অদুনা Past Tense দা লৈরবদি লৈববদি Subordinate Clause দা লৈবা Verb অদু শোইদনা Past Tense ওইগদবনি য়েংউ—

চাউবনা মপা নাই হায়রম্মী—Chaoba said that his father was ill.

চাউবনা মাহাক লাকখি হায়রম্বা—Chaoba said that he weuld Come.

তোম্বনা মাহাক শোইদনা লাকনি হায়দুনা বাশকপম্মী—Tomba promised that he would come surely.

N. B. Subordinate Clause দা লৈবা Verb অদুনা মহৌশানা থোকপা ওইবা, মতম পুন্নমক্তা অওইবা ওইবা অর্থ থংনরবদি Principal Clause গী Verb অদু Past Tense ওইবরবস্তু Subordinate Clause গী Verb তি Present Tenre ওইবা যাই। মাদুদি:—

ঐদি নিত্তিগী কোইবা চৎলি হায়দুনা মাঙোন্দা হাযরম্মী—I told him that I walk every day.

পৃথিবী অসি তুম্বক তুম্মি হায়বা অসি মাহাক্না ফোংদোক্লম্মী—He discovered that the earth is round.

Exercise 80

Translate into English :—

মাহাক পুং তরামাথোই তাবদা তুম্মি হায়বা অসি ঐহাব থংই; চাউবনা পাক্সা কাদে হায়রম্মী। মাহাক করি হায়খিবগে হায়বা ঐহাক নিংশিংবা থোকত্রে। পাজিনা মাঙোন্দা পুং কয়া তাবদা হৌগৎপগে হায়দুনা হংলম্মী। নিত্তিগী পুং তরেৎ তাবদা হৌগৎলি হায়দুনা মাহাক্না খুমখি। তোম্বনা লাকপা ডম্মোই হায়দুনা হায়খি। ঐ হয়েং ওজাদা নিত্তিগী পাক্সা কাক্কনি হায়দুনা খুমগে। মাহাক্না অমুক অদুগুম্বা থবক তৌররোই হায়রম্মী। নহাক লাক্কনি হায়বা নত্রা।

The uses of Say and Tell

মাহাক্না ঐঙোন্দা মাসি হায়রম্মী—
(1) **He said this to me.**
(2) **He told me this.**

ঐনা নঙোন্দা মাহ্র হন্না হায়রে—
(1) **I have said that to you again and again.**
(2) **I have told you that again and again.**

ওঝানা ঐখোয়দা মাসি হায়রম্মী—
(1) **The teacher said this to us.**
(2) **The teacher told us this.**

অসুম্না say হায়বা verb অসিগী মীনা ওইবা object থক লৈবা য়াদে অদুগা tell গীনা object অনি লৈগনি।

মানা ঐবু চথোকখো হায়রম্মী—**He told me to go away.**
ওঝানা ঐখোয়বু অঙ্ক অহু তৌ হাঈখি—**The teacher told us to do the sum.**

অসুম্না যাথংপিবা বাহৈগা লোয়নব অসিদা tell শীজিন্নগনি মাসিদা say হাপ্পা য়ারোই।

Exercise 81

Translate into English :—

পাজিনা মঙোন্দা অসুম হায়খি (said)। বামনা ঐবু মাহ্র তৌ হায। ঐনা যহুদা মাসি তৌনবা হায়গনি। চাউবনা ঐঙোন্দা মাহ্র হায়রম্মী (told। তোম্বদা লহান মাখোয়দা মাহ্র হায়খি (said)। বামন অমনা মাধবতা মাসি হ'যখি (told)। 'ঐনা নখোয়দা মাসি তৌ হায়রিবা অসিনি। কনানা ঐখোযদা অসুম হায়বগে? তেংবানবা অসিদা কনা অমতনসু নখোয়দা হায়বিরোই। মানা ঐঙোন্দা মীনম্বা বা হায।

চাউবা ঙসি কারক্তে হায়হুনা ঐনা ঙবাং হেডমাষ্টারদা হায়রম্মী। Sentence অসি ঐখোয়না অনি খোক্না ইবা য়াই। ঙরাং ঐনা হেডমাষ্টারদা হায়রম্বা বাহৈ অহুমক পুশিন্দুনা অসুম্না ইবা য়াই,—
ঐনা ঙরাং হেডমাষ্টরদা হায়রম্মী "চাউবা ঙসি কারক্তে।"
Yesterday I said to the Head Master "Chaoba is absent"

অসিগুম্বা বাহৈ মহায় অসিবু Direct Naration কৌই। অসি নম্রগা ঐনা হৌজিক নখোয়দা ঐগী বাহৈ ওইনা তমহুনা অসুম্না হায়বসু য়াই।

চাউবা ঙরাং কারক্তে হায়হুনা ঐনা হেড মাষ্টারদা হায়রম্মী—**Yesterday I said to the Head Master that Chaoba was absent.**

অসিগুম্বা বাহৈ মহায় অসিবু Indirect Naration কৌই ;—I said that Chaoba was absent হায়বা Indirect Naration অসিদা Principal Clause গী said হায়বা Verb অসি Past Tense ওইবা মরম্না Subordinate Clause, He was ill হায়বা অসিগী was হায়বা Verb অসিস্থু Past Tense ওইরে।

অসুম্না Principal Clause দা Past Tense গী Verb লৈরবদি মাগী Surbordinate Clause দা লৈবা Verb অদুস্থু শোইদনা Past Tense ওইগদবনি ; অদুগা Surbodinate Clause অদুদা অহানবদা Direct Naration দা will, shall, can, may লৈরমলবস্থু Indirect Naration দা ওনবা মতমদা মথংশিংনা would, should, could, might ওইগদবনি।

তৌইগুম্বসুং Direct Naration গী মতমদদি Principal Clause গী মতুংইম্না শ্রীখোয়না কোংশিনগদবা লৌথংলিবা বাহৈ অদুগী Verb কী Tense করি অমতা ওনবা লৈতে।

N. B. Direct Naration গী Sentence অমা Indirect speech ওইনা ওনবা কালদা this না that, these না those, here না there, Now গী মফমদা then, hence গী মফমদা thence ওইগনি।

চাউবনা হায়রম্মী "ঐ মোইরাং কুমগনি"—Chaoba said "I will go to Moirang."
চাউবনা মোইরাং চংকনি হায়রম্মী—Chaoba said that he woald go to Moirang.
হেড মাষ্টারনা ঐঙোন্দা হায়বম্মী "নং চংপা য়াগনি"—The had Master said to me "You may go".
হেড মাষ্টারনা ঐবু চংপা য়াগনি হায়দুনা হায়রম্মী—The Head Master told me that I might go.
তোম্বনা হায়খি "পেন্সিল অসিদি ঐগীনি"—Tomba said "The pencil is mine."
তোম্বনা পেন্সিল অদু মাগীনি হায়খি—Tomba said that the pencil was his.
ওজানা ঐঙোন্দা হায়রম্মী, "পাও"—The teacher said to me, "Read",
ওজানা ঐঙোন্দা পাও হায়দুনা হায়রম্মী—The teacher told me to read.

পরীক্ষা লৌম্নিবা অদুনা হায়রম্মী "মতম লৈরে ইবা তোক্লো"—
Direct The examiner said "Time is up, stop writing."
Indirect The examiner said that time was up and he also told us to stop writing.

চাউবীনা চৎলোই হায়খি—
Direct—Chaobi said "I shall not go."
Indirect—Chaobi said that she would not go.

ঐনা হায়রম্মী "যদু ! অসিদা লাও"—
Direct—I said " Jadu, come here."
Indirect—I addressed Jadu and told him to come here.

Exercise 82

Translate into English :—

তাদনা ঘড়ি অহু মাগীনি হায়রম্মী। ঐনা হায়রম্মী "চাউবা, নং স্কুল চৎলো।" অঙাং অহুনা মাহু করিনো হায়হুনা হংলম্মী। হরিনা মতুংগী মুমিৎ অহুদা লবাই কুমগনি হায়রম্মী। ঐনা হায়খি "পারা ফাদবা মখে বেঞ্চ মথক্তা লেপকগদবনি।" নহাক্না ননাওবু কৌহুনা মহে মশিং তম্বিয়ু। রামনা সীতাদা হায়খি "নংদি অযোধ্যাদা লৈহো।" সীতানা খুমখি "ঐদি ইপুরোইবা য়াওদনা অসিদা লৈহৌবা ঙম্মোই"। লক্ষ্মনসু রামগা লোইননা উমংদা চৎকনি হায়খি। ঐনা লহান কোনুংদা চত্লনা ঐসু কোনুংদা লৈরগনি হায়হুনা পাজিদা হায়রুই। পাজিনা খুমখি, "লাইরিক নিংথিনা তমউ।" ক্লাসগী কেপ্তেননা হায়খি "কনা কনা লাক্কবগে।" ওজানা পারা ফাদবা কনা কনানো হায়হুনা হংখি।

Interjection

Expression of well-come, Surprise, Grief ect

অরাবনি—Alas !
অচ্ছা—Fire ! For shame !
তুমিনলৈয়—Hush !
(অঙকপনি !) ইঃ—How strange ! wonder of wonders !
নিংথিজৈদা !—How beautiful !
ফে—Well !
ভাল ভাল—Bravo ! well done !
হায়মাইপেম্মা !—O dear ! Dear me ! Ah me !
(অরাবদা)—What a pity !
পুক্লিং চংহনবদা— Hark ! Lo !

হুংগাইবদা—Hurrah।
করেদা—Rightly served।
অয়ুক্কী সলাম তৌবদা—Good morning.

মাসি মহৌশানা ফুমিৎ য়ুংবা ফাওবদা হায়নৈ তৌইগুম্বসুং করিগুম্বদা ফুংথিন্দা শিজিন্নবা।
Good day—ফুংথিন্দা মতম পুম্নমক্তা, উনবা অমসুং খাইনবদা শীজিন্নবা য়াই।
Good night—সন্ধ্যাগী মতুংদা খাইনবা মতমদা শীজিন্নবা য়াই।
Good bye—খাইনবা কান্দা শীজিন্নৈ।

Exercise 83

Translate into English :—

ভাল ভাল। নিংথিনা শাম্নরেদা। আচ্চা। নপানা হায়্রবদবু অহুম্না খুম্বা হৌনবন্না? নিংথিজেদা; চীং অসি য়েংরদি পুক্নিং হুবগী মশক্নি। তুমিন্নৈয়ু। উচেক খোংবা অসি তাসি। অরাবনি। মাহাক মাঙরা তারে। হায়মাইপেন্মা। ঐদি করম তৌনি। হায় (Hallo) বনানো? চৎলিবা? ভুং (pooh) অপাংবহুবু ভাংগনু। হৈ। য়াম্বা (Hallo man) নংগী থুমোক অহুদা করি য়াওরিবগে?

Some Importannt Verbs

Have (লৈবা)

ঐগী লাইরিক অনিথক লৈ—I have two books.
ঐহাক থবক অসি তৌনিংই—I have a mind to do the work.
মাহাক অকম হৌরম্মী—He had fever.
ঐগী চিঠী ইনবা মতম লৈতে—I have no time to write a letter.
মাদি খুদোংচাবা ফংলমদে He had no oportunity.

Do তৌবা

চাউবদি করি অমতা তৌরমদে—Chaoba did nothing.
অমুবা অঙ্ক তৌরি Amuba is doing a sum,
ঐ অনা অয়েক লৈতে I am doing well.
মাদি করি অমতা মাংনবা তৌদে—He does no harm.
মাহাক মফম অদুদা কারবার তৌবা চৎখি—He went there to do business.

মথৌ শূ—Do your duty.

নঙ্গু চানবিহনা ঐনা লাইরিক অসিগী লুপা ১০০ পীগনি—To do you a favour, I will give you one hundred rupees for the book.

Commit (তৌবা)

ঐনা লানগ্রবনি—I have committed a mistake.

মাহাক্না পাপকী থবক অমা তৌরম্মী—He commited a sin,

Be (ওইবা)

নী -মনি অফবা অঙাং অমনি—Nilamani is a good boy.

চাউবা ময়ুমদা লৈ—Chaoba is at home.

মাহাক্তি হৌজিক অন্নাবদা তারে—He is now in danger.

হরিদি মশা য়াম্না ফত্রে—Hari is in bad health.

মাগী অবস্থা ফত্রে—He is in bad circumstances.

Tell (হায়বা)

মাহাক্না ৱা'রী নুংঙাইববা অমা লীবম্মী—He told an interesting story.

নং মীনম্বা ঙাংলম্মী—You told a lie.

মাবু ময়ুমদা চৎলু হাযযু—Tell him to go home,

Say (হায়বা)

নংগী পারা হাযযু—Say your lesson.

মাহাক্না থুক্রথুদক ক্রুন্দুনা ঈশ্বরদা লৈশিলৈথোল্লমী—He knelt down before God and said his prayers.

Speak (ঙাংবা)

ম ৬ম লৈবা থিবিক্তা অচুম্বা ঙাংগনি—Always speak the truth.

বিজয়দি নিংথিনা ইংরেজী ঙাংবা ঙম্মি—Bijoy can speak English well.

চাউবনা ৱাহৈ অসি হায়রম্মী—Chaoba spoke this word.

Exercise 84

Translate into English :—

ঐবু থৌজানবিযু। চাউবদি মথৌ শূরি। মাহাক কবোদা লল্লোল ইতিক তৌরি। নংদি বাঙ্গালা লোন্নবা থোকই। মাহাক অবস্থা করি। মধুদি স্কুলদা লৈথি। মাগীদি পাম্বৈ অমতা

লৈত্রে। মাহাক চাকলেন চারম্মী। ঐগী অহাংবা লৈত্রে। ঐ য়াম্না কোকচিকলম্মী। মণি পাম্না হায়রম্মী। থক মীনম্বা ঙাংগনু, মাহাক লাম্লমাক্লে হায়না নিংই। নংগী অহু লাপ্লে। ঐ লহাবগী অক অসি তৌরকই।

Get

মাহাক থবক অমা ফংলে—He has got an employment.

চাউবা অকুম হৌরম্মী—Chaoba got an attack of fever.

ঐখোয় খুন অন্থুদা থুংলম্মী—We got to the village.

ঐখোয়গী ওজনা শাওরম্মী—Our teacher got angry.

মাহাক চাওথংলি—He is getting on.

মাসি চিন্দা পু—Get it by heart.

Take

ফমউ—Take your seat.

মাহাক পাউগী চে (খবর) লৌই—He takes a news paper.

ঐখোয় কোইবা চখোক্লম্মী—We went to take a walk.

হকচাং শাজেল য়াম্না তৌ—Take planty of exercises.

চেকশিল্লু—Take care.

চাবা—To take food.

ছুটি লৌবা—To take leave.

হিদাক চাবা—To take medicine.

হর্ষাওবা—To take pleasure.

ঐগী পাওতাক লৌ—Take my advice

মাসি তৌবদি মতম কুইনা চংগনি—It will take much time to do this.

(লাইরিক) ইরো—Take down.

Make

নিনগনু--Do not make noise.

থুনা তৌ—Make haste.

মাহাক য়াম্না শাংনা চৎলক্লে—He has made a long journey.

ওনবা—To make a change.

চাওখৎপা—T› make progress.

হোৎনবা—To makes an attempt.
মুচিনা খোংউপ তুই—The shoe-maker make shoe,
মাহাক জেলদগী চেনখিরম্মী—He made his escape from jail.

Give (পীবা)

পোৎ অমা পীবা—To given a thing.
খুদম প্পীবা—To give an example.
য়াথং পীবা—To give orders (to give permission)
থাদোকপা—To give up,
মাহাক্না মাবু য়াম্না কন্না ফুরম্মী—He gave him a hard blow.
মাহাক্না ফজরবা মচা অমা পোক্লম্মী—She gave birfh to a beautiful child.

Exercise 85

Translate into English : —

ওজানা ঐঙোন্দা পেন্সিল অমা পীরম্মী। ফত্তবা সঙ্গ থাদোকউ। খুদম অমা পীযু। ওজা মকোক অহুনা মাবু চৎচরো হায়হুনা য়াথং পীবিরম্মী। মাহাক্না চৈনা মাগী মকোক্তা কন্না ফুরম্মী। নফমদা ফমউ। ঐ থা অনিগী ছুটি লৌগনি। থবক অসি তৌরবদি কুইনা চংগনি। হিদাক অসি পুং অনি অনিদা থকউ। চাউবা থবক অমা ফংজরে। থারেং অসি চিন্দা পু। ঐখোয় পুং মঙা তাবদা মোইরাংদা থুংখি। ঐগী ইচল অহু অরুম হৌরম্মী। নংবু পাজিনা য়াম্না শাউরে। মিস্ত্রিনা মেজ অমা শাই। মাদি করি অমতা চাউখৎপা লৈত্রে। অঙাংশিংনা নিনবা পাম্মি। থুনা তৌ। মাহাক কা অহুদগী চেংহোকখিরম্মী।

Go

হনবা—To go back.
থাগা চৎপা—To go a long way.
লৈখোকপা—To go astray.
থায়েনশংদা থাকৎপা—To go to law;
ভাওবা—To go mad;
ঘড়ি অসি মতম চাত্রে (লাত্রে)—The watch goses wrong.
মাসি করিস্থ কায়খিত্রে—It went for nothing.
ঐহাক লাইরিক অসি লোইনা পারে—I have gone through the book.

Put

মী অমবু হাৎপা—To put a man to death.
মী অমবু ইকাইবা পীবা—To put a man to shame.
ফি শেৎপা - To put on clothes.
খোংঙ্প তোংবা—To put on shoes.
খোংঙ্প লৌথোকপা—To put off shoes.
ঈ ভানরম্বা অপুম্বা অহু মানা তোকহনখি—He put an end to the blood-shed.

Lose

মতম মাংহনগনু—Lose no time.
মাহাক লম্বী লম্নুকখি—He lost his way.
চাওবা শাউরম্মী—Chaoba lost his temper.
জাৎ তাবা—To lose cast.
নিংবা কায়বা—To lose heart.
নথবাই থাবা—To lose your life.
মমা শিবা—To lose his mother.

Let

য়ুম শানবা—To let a house.
শান্নবা য়ুম—A house to let.
মাবু থাদোকল্লো—Let him go.
ঐগী খুৎ থাদোকউ—Let go my hand.

Catch

হুরানবা ফাবা—To catch a thief.
লোক থুংবা—To catch cold.
গাড়ী ফংবা—To catch a train.
ৱা তাবা—To catch the word.

Leave

হৌজিক্তি ঐহাক মাবু থাদোকপা তারে—I am to leave him now.
ঐবু থংপীগনু—Leave me alone.
ঐ শিলোংদগী লাক্লনি (থাদোকনি) I will leave Shillong.

ঐ জুনগী তারিখ অনিশুবদা মণিপুরদা লাকনি—I will leave for Manipur on the 2nd June.

অকবা মিংচং থনম্বা—To leave a good name behind.

তপ্পা চৎলবদি নং তুংদা শোথহৌরগনি—If you go slowly you will be left behind.

Bear

মাহাক লমচং ফজে—He bears a good character.

থরচা অসি কনানা পুগনি—Who would bear the expenses.

মতুংদা মাহাক্না য়াম্না মাংখি—At this he bore a great loss.

Exercise 86

Translate into English :—

মাসি শান্নবা য়ুমনি। ঐখোয় গাড়ী ফংবা ওমহৌত্রে। মাগী মপা শিরে। মাহাক লিংবা কায়রম্মী। ঐবু ইকাইবা পীগনু। মাহাক ভাওহুনা চৎলে। মাসিদা য়াত্রবদি দরখাস্ত থাবা তারে। মাহাক অকবা মিংচৎ থনমহুনা শিত্রে। চাউবদি লমচং ফজে। থৌনাকবা উৎকে হোৎনবদা মাহাক থরাই থাত্রে। নফি লৌথোকউ। নংগী ঘড়ী অসিদি লাল্লে। ঐদি নংগী মা অহু তাহৌদ্রে।

Run

লমজেন চেনবা—To a run race.

শেল বাৎলম্মী—Money ran short.

লম্বী অহু খা বাং চৎলি—The street runs from south to north.

লৌশিং তানবা—To acquire knowledge.

ইমুং নমথেকতুনা চংবা— o break into a house.

লৈই চিংবা—To draw a line.

বক্তৃতা পীবা—To deliver a lecture.

অৱাবা থাংবা—To endure harships

নোমৈ কাপ্পা—To fire a gun.

নুমিৎ অমা লেপ্পা—To fix a day.

ৱাশক ভাকপা—To keep a promise.

পরীক্ষা ত্তোবা - To hold an examination.

মরুম কোকপা—To lay eggs.

মনা ফংবা To win a prize.

লাইয়েংবা—To treat (patient).
(অনাবা) নাবা—To suffer from disease.
লামাই হাংদোকপ্পা—To turn over a leaf.
হুই খোংঙি—A dog barks.
হৌদোং খোংঙি—A cat purrs (mews).
হুডোই খোংঙি—A frog croaks.
কৈ খোংঙি—A tiger growls.
কৈশাল খোংঙি—A wolf howls.
নোংশা খোংঙি—A lion roars.
লমহুই খোংঙি—A fox howls or yelps.
উচেক খোংঙি—A bird chirps.
মশ খোংঙি—A bull bellews.
মশবী খোংঙি—A cow is lowing.
য়েন খোংঙি—A cock crows.
কাক খোংঙি—A crow caws.
হয়িংখোয়শিংনা ঙংঙি—Bees hum,
উচি খোংঙি - A mouse queaks.
শামু খোংঙি—An elephant trumpets.
শগোল খোংঙি—A horse neights.
য়োং খোংঙি—A mokey chatters.
লোলা খোংঙি -An ass brays.
য়াও খোংঙি—A lamb bleats.

Exercise 87

Translate into English :—

মাহাক্না ধর্মগী মরমদা বক্তৃতা তৌরম্মী। ক দগী খ ফাওবা লৈই অচুম্বা অমা চিংউ। উরিপোক লমজাও অসি নোংপোক নোংচুপ চংলি। নংগী নপাদি মীরৈবাক্তা চৎতুনা লৌশিং তানশিল্লম্মী। হুরানবশিংনা নমহুনা মাগী মযুমদা চংখি। মাহাক মীগী মরল তোল্লে। শগোল অমা খোংলি। ডাক্তর লৈরেননা তোঙবু য়েংলি। মাখোয় পুন্নমক মনা ফংনবা হোৎনখি। ভাগ্য মরুম থুরে। মাহাক ঈতোন ফাইরি। মাগী শেন ওকত্রে। রামনা মপাগী বাশক ভাকনবা হোৎনখি। শামু খোংলম্মী। ঐখোয়না নাক্তা কৈ খোংবা তাম্মী।

Some Familiar Proverbs

উন্তা ঘি হৈবা—Casting pearl before swine.
ভাবনা দোলান শাবা—To make castles in the air.
ইরোই লৈত্রিভৈদা হৌদোং হাংপা—To count one's chickens before they are hatched.
অতোংবদা লৈথোনবা—To carry coal to newcastle.
অঙাংদি নিংথাদা থংই—The childhood shows the man (a man is but a grown up child).

লিলসু শিনবা চৈশুসু তেক্তনবা—To kill two birds, with one stone.
হুবানবা মতুং মৈরিংবা—To lock the stable door when the steed is stolen.
শেন্দাং ভুম্না তাবনা চেং মচং চাই—The early bird eatches the fattest worm.
যুমহাং তোযবগা লাইবা চানে—A rolling stone gathers no moss.
চেং পুবা চেং শিং ফৌ পুবা ফৌ শিং—Tit for tat.
কৈ লৈবা মফমদা হুনিং তাই—Danger often comes, where danger is feared.
শুবনা নীম্লগা হুইনা মনা থাই—One doth the scath and another hath the scorn.
থুং অঙ্কবদা সেনাপতি ওইবা—Every one is a pilot in a calm sea.
মীচা শিসত নিংলগা মচা শি—Harm watch, harm catch.
খোং চেংলগা চিন চোংলি—There no grain without pain.
ফস্থা চল্লগা হিম্পা চল্লি—Give him an inch and he will take an ell.
হৌদোং তুমিন লৈবনা চফু ডমই—Still waters run deep.
হৌব্রবা ভা চাওই—Let by-gones be by-gones.
মীনা শেম্বনা অমা লাইনা শীনবনা অমা—Man preposes and God disposes.
কৈনা তোকপা পোকপরা—Like father like son.
লমগী বণনা মচি শাংই—A prophet is not honoured in his own country.
নংগী শুমাং শিত্তনা মীগী শুমাং শিংপা—Oil your own machine.
থাংবা কল্লগা ফমেন ফংই—Patience is bitter but its fruit is sweet.
শাব্রিভৈদা হৈহৌ—Strike the iron when it is hot. Make hay while the sun shines.

থৌবান্দাং চফুবু কায়নবা য়ৈবরা—Spare the rod, spoil the child.
ইথুং লাম্বোক্লগা মীথুং লাম্বোকই—Keep thy shop, thy shop will keep thee.

মী য়ামলগা বা য়াম্মি—Too many cooks spoil the dinner.

পাঙন খৌনাইদবনা খোইদিং পোৎমা হৈদোক্লগা খুল্লি—Much ado about nothing.

থাতোল্লা থাংলগা কাল্লা থমদেকই—Prides will have fall.

তুমদবা হোৌদাকপা লুই - None are so deaf as that will not hear

নামা হায়রিঙৈদা য়াত্রগা পোৎমা লোল্লগা য়াবা - Peny wise, pound foolish.

Letter-writing

ঐখোয়না মৈতৈলোন্দা চিঠি ইবদা মহৌশানা মকোক্তা "শ্রীহরি" "শ্রীহরি জয়তি" "শ্রীগৌর-বিধুর্জয়তি" অসিনচিংবা লাইগী মমিং হায়দুনা হৌনৈ। তৌইগুম্বসুং ইংরেজীগী চিঠি ইবদদি লাইগী মমিংনচিংবা অসি পান্নদে। ঐখোয়না তারিখ, ঠিকানা অসি থাহৈ হায়বা লোইরগা ইনৈ; তৌইগুম্বসুং ইংরেজীগী চিঠি ইবদা ইরিবা মুপা অদুগী ঠিকানা অসি চে অদুগী য়েংথংবা চিথেক লাপান্দা ইনৈ অমসুং মখাদা তারিখ থানৈ।

শ্রীশ্রীহরির্জয়তি।

প্রিয়বর

শ্রীযুক্তা ইতাও মণিদা হায়জথি—ইতাওনা চানবিদুনা "ফিদম" হায়বা লাইরিক অদু মুমিৎ নিনিদং থাইহনবিরবদি য়াম্না নুংঙাইজগনি। ঐনা মাদু শোইদনা হঞ্জরকনি।

নহাক্কী চান্নরবা

শ্রীমাইবম মাধবসিংহ, ললাম্বুং মখোং

১।৪।২৯ ইং

Lalambung, Imphal
The 1st April, 1929.

My dear Mani,

I shall be thankfull if you will kindly send me "Phidom" for a couple of days. It shall be duly returned.

Sincerely yours,
Maibam Madhab Singh,

কোম্পানিদা লাইরিক চেনবদা

Johnstone School,
Imphal
Manipur State
The 1st July, 19.6.

Dear Sirs,

I shall be much obliged if you will kindly send me the sollowing books per V.P. post at your earliest convenience.

1 copy of Indian History by A. G. Dutt.
2 copies of Bengali Grammer by P.G. Bidyaratna.

Yours faithfully,
Irom Parijat Singh,

পুখক্তা।

To,
Messrs. Bhattacharyya and Sons,
65 College Street,
Calcutta.

স্কুলদা নাবগী ছুটী নিবদা—

To

The Head Master,

Johnston H, E, School.

Sir,

Most humbly and respectfully I beg to say that I was unable to attend school from the 10th to the 18th July as I was laid up with fever.

I therefore pray, that you will kindly grant me leave of absence for these days only.

I am
Sir,
Your most obedient pupil
Damudar Sharma
Class V A.

স্কুলদা টিছু নিবদা

Imphal,
The 25th November, 1929

To,

The Head Master, Johnstone High English School.

Sir,

Most humbly and respectfully I beg to State that as the annual Sradha Ceremony of my father comes off to day I am unable to attend school. I therefore pray that you will very kindly grant me leave of absence for this day only.

I am
Sir,
Yonr obedient pupil
Ngangbam Tomba Singh.

(১)

অয়ুক অঙনবা।

নোংঙাল্লে। কাক খোংলে। উচেক রায়া পুম্নমক খোংলক্রে (chirping)। নুমিৎনা নোংপোক মাইকৈদা থোরক্লে। লিবলাগী মরিক্লা (dew-drops) অনৌবা নাপী মতোন্দা ইলং লংলি। লৈ-গু পুম্নমক ঙম্না শাৎকাইরে। হয়িংখোইশিংনা লৈ লৈ খুদিংদা (from flower to flower) কোয়পাই পাইদুনা ঙরং ঙরং ঙংলি (buzz)। হে অঙাং মচাশা! হৌজিক তুমদুনা লৈবা মতম নত্রে। হৌগৎতুনা নমাই নমিৎ তাথোক্লো। নংগী পারা ঔরাইরো।

(২)

ষণ।

ষণ হায়বা অসি কান্নবা জীবনি। ষণীনা ঐখোয়দা ষঙ্গোম পীবি। ষঙ্গোম হায়বা অসি যাম্না থুম্মি। ষঙ্গোমদগী ঘি, মাখণ, যঙ্গোম অফবা অসিনচিংবা হাউরবা চিঞ্জাক পুম্নমক শেম্মি। ষম্থিদগী অযবা হার ফংনৈ। কনা কনাগুম্বনা ষম্থি শাদুনা শীং ওইনা শীজিন্নৈ। ষণ হায়বা অসি মখোং মরি পানবা (quadruped) জীবনি। মাহাক্কী মকোক্তা মচী অমম্মুং মখোংদা লোংখুম (hoof) পাল্লি। মাহাক্কী লোংখুম অতুদি অনি থোক্লা থাইদোই (cloven)। ষম্না শজিক চাই অমম্মুং শঙুপ শাই (chew the cud)

(৩)

হৌদোং।

হৌদোং হায়বা অসি য়ুমদা যোকপা (domestic) জীব অমনি। মাহাক্না ঙা অমম্মুং ষঙ্গোম য়াম্না পাম্মি। নখোয় পুম্নমক হৌদোংনা উচি ফাবা উররিগনি হায়না নিংই। মাসিদদি মাহাক অসি কান্নবা জীবনি হায়বা য়াই। হৌদোংনা ফমুং, লৈরং অমম্মুং অশাবা মফমদা কুনবা পাম্মি। মমৈ পায়দুনা চিংলবা নত্রগা মশাদা ঈশিং চাইরবদি হৌদোংনা য়াম্না শাওই। মাহাক অসি য়েংবদা কৈ মাল্লি। মরম অদুনা মীনা মাহাকপু কৈগী মন্দোম্নি হায়নৈ।

(৪)

শামু।

মখোং মরি পানবা জীব পুম্নমক্কী মরক্তা শামু হায়বা অসিনা খ্বাইদগী হেম্না চাউই। মাহাক অসি য়াম্না মপাঙ্গল কল্লি। মী নিফু য়াংথৈনা লেংবা ঙমদবা পোৎ অদু শামুনা ইরায় লায়না পুবা ঙমই। নখোয়না শামুগী মনাতোন (trunk) উররিগনি হায়না নিংই। মাহাক্না মাদুনা থুংকী থবক তৌবা ঙমই। মনাতোন অতুগী নাক অনিদা ময়া অনি (tusks) পাল্লি। শামু ময়া অসি য়াম্না ভাংবা পোৎনি মহৌশানা শামু হায়বা অসি উং মচু মাল্লি। তৌইগুম্বসুং অন্না লৈবাক্তদি শামু অঙৌবা লৈ হায়নৈ।

(৫)

শগোল।

মখোং মরি প্লানবা জীবগী মরক্তা শগোল্লা খুাইদগী হেন্না নিংখিজৈ। শগোলগী মখোংগী লোংখুম অত্থ মণগী মতৌগুন্না অনি খোক্লা খায়দোক্তে। শগোন্না য়াম্না য়াংনা চেনবা ঙম্মি। মখোয়না শগোল কাংজৈ উরক্লিগনি হায়না নিংঙি। মাসি ঐখোয়গী জাৎকী মশান্না অমনি। সাহেবশিংনা মাসি ঐখোয়দগী তমত্থনা হৌজিক মফম পুন্নমক্তা থনরে। মৈতৈগী শগোল হায়বা অসি পিকপদি পিকই হায়ববু য়াম্না খোনা কে। চহি খুদিংগী মীরৈবাক্কী মীশিংনা মীতৈ লৈবাক্তা শগোল লৈবা লাকই।

(৬)

কমলা।

কমলা হায়বা অসি হাউরবা হৈ জাৎ অমনি। লোক্তাক মযাযদা লৈবা ঈথৎ থাঙ্গী ইথিং করাংনচিংবী খুন্দা কমলাগী হৈকোন লৈ। মাসি হকচাংদত্থ য়াম্না কান্নবা চিঙ্গাক অমনি। তৌইগুম্বত্থং খরা তাংবা মরম্না অম্নাম্বনা লৈত্থনা চাবা ঙমদে। নিংথমথাদা কমলা পাম্মানি।

(৭)

নোংমা পুরেনবনা তোকংদা মোইরাং নিংথৌগী খৌগন চৎলম্মী মতম অত্থদা কৈ অমা চোংথো-রক্লনা মোইরাং নিংথৌবু লাকে তৌই। ময়াম্না নিংথৌবু কনখি। ময়াম চংত্থনা কৈ যাগে তৌরদা কৈ খিবা কংদত্থনা তোকখি। মোইরাং প্রজা অপুম্বা হন্নক্লে। তোইগুম্বত্থং পুরেনবদি অহিং অত্থ তুম্বা য়াখিদে। নোংঙাল্লিউনা হৌগৎত্থনা কৈ লৈফম অত্থ তান্না চৎখি। অহানবদা কৈ অমা থেংনরে। তৌইগুম্বত্থং কৈদি অমতা ওইরমক্রে। মথং মথং কৈ তরেৎথক চোংথোরক্লে। পুরেনবনা কৈ তরেৎ অত্থমক ফাত্থনা নিংথৌদা কৎখি। মোইরাং নিংথৌনা পেল্লত্থনা পুরেনবদা খম্বগী মমা ঙাংখরৈমা পীখি হায়।

(৮)

থাইনা হন্নুবী অমা মাগী খাংপোকশং মমুংদা ফমত্থনা মোইথাপ নাইরম্মী। অহিং অথেংবদ হুরানবা অমা মাগী ময়ুম অত্থদা চংত্থনা থাউমৈ মরুমদা লোৎত্থনা লৈরম্মী। হন্নুবী অহল ওইবনা উরিরোই অমত্থং তারিরোই হায়ত্থনা চরানবা অত্থনা করিম্থ খোশাখিদে হন্নুবী অত্থদি হুরানবা চংকে হায়বা খংত্থনা পোখি তৌরম্মী। মমৈদা মাহাক্লা হায়রকই "ইতা থাউমৈ" থাউমৈ অত্থদি হান্নগী মতৌগুম্না চাক্লম্মী। হন্নুবী অত্থনা অমুকত্থ কৌরম্মী। খুমলক্লবা অত্থদা মানা হায়রকই "য়ুমদা কন লৈরবনো; ঐগী থাউমৈ অসি ঙসি ঐনা কৌবদা খুমত্রে"। মাত্থ তাবদা হুরানবা অত্থনা খনখি

"মাগী থাউমৈ অসি নীতিগী মানা কৌবদা খুম্নমাল্লে : ঐ লৈবা অসিদা ঙসি খুমত্রমাল্লে। হন্দক্তি খুম্বা থোকলে" হন্নবীনা অমুক লাউনা হায়রকই। "হুরানবা চংলমাল্লে, ঐগী থাউমৈ অসি খুমম্রে "হুরানবা চংলমাল্লে" হায়বা বাহৈ খরা কমা হায়বা অন্নদা যুমলোন্নবা খরা লাকতুনা হুরানবা অহু কাখি।

(৯)

ধাতু পুম্নমক্কী সনা হায়বা অসিনা খ্বাইদগী হেন্না মমল তাংডি। সনা হায়বা অসি নাপু মাল্লি, লংডি অমসুং য়েংবদা য়াম্না ফজে। সনানা লিক, খুদেপানচিংবা মথল মখা অযাম্বা লৈতেং শানৈ। ভারতবর্ষদদি লুপাগী শেল চংনৈ। তৌইগুম্বসুং বিলাতনচিংবা ইনাককৈরাকখুনবা লৈবাক্তদি সনাগী শেল চংনৈ। ভারতবর্ষদা মহীশুরগী খোংদা সনা ফংই।

(১০)

চেং হায়বা অসি ঐখোয় অযাম্বগী চিঞ্জাকনি। নখোযসু খংলিগনি, ঐখোয়না চাক চাত্নুনা হিংনৈ, বঙ্গদেশ, আসাম অমসুং মণিপুরদা ফৌ য়াম্না থোকই। তৌইগুম্বসুং মণিপুরদা খ্বাইদগী হেন্না চেং হোংডি হায়বা যাই। হৌজিক ফাওবা মণিপুরদদি লুপাগী চেং সের ১৫/১৬ তৌরি। চহি খুদিংগী মণিপুরদগী চেং দেশ অতৈদা পুখি। দোকাদার অয়াম্বনা চেংগী থবক তৌত্নুনা য়াম্না শেন্দোং ফংনৈ।

(১১)

পুজনীয়

শ্রীযুক্ত পাজিগী চরণদা খুরুমজখি। ঐসু পরীক্ষা পাশ ওইজরে। ঐখোয়গী শ্রেণীদা ৫ শুবদা ওই। হৌজিক লাইবিক তম্বা হৌনগ্রে। ঐগীদি শেল লৈতত্রুনা লাইরিক লৈত্রি। মরম অত্নুনা চিঠি অসিনা হেক ফংবগা থুনা লুপা ৩০ দং টেলিগ্রাফ তৌবিরকউ। ঐখোয় অসোমগী কনা অমতা অনা অয়েক লৈতে। ইতি তাং ৩।১১।২৯ ইং—

সেবক

শ্রীরাধাকিশোর সিংহ।

(১২)

Translate into English :—

ঙসি পুং মরিমথাই তাবদা ঐখোয়গী খোঙাওবী শীংনবা অহু শান্নগনি (**we are going t**o **have our football match**)। ঐখোয়গী স্কুলগী ঘড়িদা পুং মরি য়েগ্রে (**just struck four**)। চৎসি। য়েংউ. ঐখোয়গী কাংবুনা (**team**) য়াম্না নিংখিনা শান্নবে। মাখোয়না থুনমক পাঞ্জল অমা চন্নি (**will make one goal**)। ইহে। মাখোয়গীসু অমা চনগ্রে। পুং তরুক তাগ্রমাল্লে। ঙসিদি পাঞ্জল মান্নরে (**ended in a draw**)।

হায়া (জলবায়ু)—আসামগী হৰাদ্দি খরা চোৎলি, খোইদোক্নয় ইংয়ে, শাই হায়বয় য়াদে। খাসিয়া চীংগী চেরাপুঞ্জি হায়বা মফমদা নোং ভাবগুয়া পৃথিবীগী মফম অতৈদা তাদে। লৈবাক অসিমক লৈবাক অতৈ অতৈদগী হেন্না নোং তাই হায়হুনয় হেন্না হায়া ফত্তবা তৌদে। গারো চীং নত্তনা চীংলৈবাক অতৈদি হায়া ফৈ। কালাজ্বর হায়রা অরুম অহু অহানবা গারো চীংদগী পোকপনি। শিলং, সদিয়া, কোহিমা, শিলচর হায়বা মফম পুন্নমক অসি য়াম্না হায়া ফবা লমনি।

(১৩)

অথোকপা পোৎ।

চা অসি আসামদা থোকপা অথোইবা পোৎনি। আসামগী চাগী ইংখোল লিশিংমরুম শুরে। চা অসি ১৮২৩ শোক্তা রবার্টক্রস সাহেবনা আসামগী জঙ্গলদগী পুথোকপনি। চাগী মথংদা কৌনি ঃ খাসিয়া চীংদা আলু অমসুং গারো চীংদা লশিং য়াম্না ফংই। অতৈ অতৈ চানবা য়েনশাং নাপী, মহৈ-মরোং, থৈবোং, হৈনৌ, কমলা, নাসপাত্তিনচিংবা উহৈ অপুন্না শুরুবা থোকই।

(১৪)

থাইনা মমাংঙৈদা (In very ancient time) মনিপুরদা খগেন্দ্রজিৎ কৌবা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী (reigned)। নোংমা মাহাক্না বন্দা শজি থিবা কোয়রিঙৈদা (while wandering in search of a deer) অঙকপগী মশক ওইরবা লম্বোইবা অমগা উনরম্মী। মতম অহুমক্তদা শজি মচা অমসু উরহুনা মাহাক্না লীরীদা তেঙ্গা থোংলম্মী (put an arrow to the blow string) শজি মচা অহুনা নিংথৌনা নিংশিবা অহু থংলহুনা মথয়াই হিংনবা (for his life) শুমথৈ য়াংনা চেল্লম্মী (as fast as he could)। নিংথৌনা শগোল শাজৈ থাহুনা (to whip the horse) তাম্নরম্মী। মাহু উহুনা লম্বোইবা অহুনা হায়রম্মী "মহারাজ" ঐনা মহারাজগী চরন্দা শজি মচা অসিদদি ভিক্ষা তৌজরি।

(১৫)

চাউবা—তোম্বা! নং ঐগা কৈথেল্দা চৎকেরা?

তোম্বা—নং কৈথেল্দা করি তৌবা চৎকদোরি?

চাউবা—ঐ কৈথেল্দা অথুম অহাও থল্লা লৈবা চৎলি।

তোম্বা—অথুম অহাও লৈনবা নংগী শেল কয়া য়াওরি?

চাউবা—ঐগী মৈতৈ অনা অমা য়াওরি।

তোম্বা—এঃ! নং অসিদদি য়াম্না ইনাকখুনবা মীনি। অহুপ য়াম্বা শেলদি নংদি কদায়দগী লৌরুই।

চাউবা—ঐনা মনিদা ঐগী খুং অহু অনা অমা পীহুনা য়োল্লে।

তোম্বা—মানা অহুপ য়াম্না পীরিবদি করিগীনো ? নংনা মাহুদি অনিদা পীরুবা নত্রা ?

চাউবা—মাদি অঙাং মচানি; মাহু খংবা নত্তে। ঐনা সিকি অমা পীরুই, নংঙোন্দা অনা অমদা পীগনি হায়বা অহুদা মহাক য়ামনা হরাওখি।

তোম্বা—মাহুদি য়াম্না লাল্লি; নংনা পৈশা তরুক্কীদমক করিনু খংত্রবা অঙাং মচা অহুবু নমথাক তৌবিরুরে। মনিদা পৈশা তরুক অহু হনবিখো। নত্রবদি ঐনা নংনা করম তৌনা অপংবা অঙাং অমবু নমথাক তৌরুবগে হায়বা অহু ওন্নাদা অমসুং নংগী নপা নমাদা তাকউগনি।

চাউবা—তোম্বা, নংনা চানবিহুনা মাহু ওয়াদা তাকপিকগনু। ঐনা হৌজিকমক চৎতুনা মনিগী শেল অহু হনবিরুগনি।

(১৬)

মোগল সম্রাট পুন্নমক্কী মবক্তুগী আকবরনা খ্বাইদগী চাউই। মাহাক্না মানা খুহুম চনবা লৈবাক পুন্নমক অহু শরুক তবামঙা থোক্না খাইদোকখি অমসুং শরুক খুদিংমক্তা লৈবাক ভাকপা সুবাদার অমমম হাপখি। মহাক্না লৈবাক পুন্নমক অসি জরীপ তৌহনখি, লৌবুক্তা থোকপা মহৈ মরোংগী শরুক অহুমগী শরুক অমা সরকারগী খাজনা ওইনা লৌখি। মাহাক্না লৈবাক্কী মফম মফম খুদিংদা ডাক্তরখানা, লংফৈ চৎপনা থুংফম অসিনচিংবা শাখি। মাহাক্না সতীদাহনচিংবা লৈবাক্তা ফত্তবা লৈবম্বা অপুম্বা কোক্রবা লাক্রখি। মাহাক তসি যান্না রায়েন চুম্বা নিংথৌ অমা ওইরম্মী। মাহাক্কী সভা অহু মহৈনশিং হৈবা মীনা লৈত্তংখি। মাখোয়গী মরক্তা তোডরমল্ল হায়বা অসি অমনি।

(১৭)

মণিপুর অসি মতম অমদা ঈশিংদা লুপতুনা লৈরম্মী। হৌজিক্তি লোক্তাকী মরোং, মফম মফম মাগা মরী লৈবা পোং ময়ামগী মৰোং অসি য়েংলগা কনা কনাগুম্বা পণ্ডিতশিংনসু অসুন্না পান্দম লাক্লে। ঐখোয়গী থাইনদগী হায়নবক্লিবা অহুনি; মণিপুর অসি ঈশিংদা লুপতুনা লৈরম্বদগী মহাদেবগী ত্রিশূলনা চীংনুংহুত্তা হনগাইহুনা ঈশিং চিথখি। মতুংদসু লৈমতাক তুরেন্দগী ঈশিং অসোমদা চেনশিল্লক্লুনা অমুক লৈবাক অপুম্বা থুমখি। মতুংদা লাইনিংথৌ পোইরৈতোম্বা অৰাং-নোংচুপ লোমদগী লাক্লুনা খুন্দাবা হৌখি।

(১৮)

নখোয়না মমাংদনা তমগ্রে,—বিভাগ কয়ামরুম্বা তিল্লগা প্রদেশ অমা ওই; মাহুদি, আসাম প্রদেশ। অসিগুম্বা প্রদেশ কয়ামরুম্বা তিল্লগা অমুক দেশ অমা কৌই। ঐখোয়গী লৈবাক (দেশ) ভারতবর্ষ হায়বা অসি ঐখোয়গী প্রদেশ অসিদা ভরত কৌবা খুৎকন পাঙ্গল্লবা নিংথৌ অমা পালম্মী মাহাক্কী মমিংদগী লৌহুনা লৈবাক অসি ভারতবর্ষ কৌখি।

সীমা

মেপ ফাকুনা য়েংউ ভারতবর্ষগী অরাংদা হিমালয় চীংশাং, খাদা ভারত মহাসাগর, নোংপোক্তা, ব্রহ্মদেশ অমসুং বঙ্গোপ সাগর, নোংচুপ্তা আফগানিস্থান, বেলুচিস্থান অমসুং আরব সাগর।

নখোয়না মেপ্তা হিমালয় চীংসু উরে। অতুদগী নখোয়না ভারতবর্ষগী ময়াইনক্তদা চীংশাং অমা নোংপোক নোংচুপ কৈগাক কৈনা উগনি মাতুগী মমিং বিন্ধ্যপর্ব্বত কৌই। চীংজাও অনি অসিগী মরক্তা লৈবা লমদম অতুবু আর্য্যাবর্ত্ত কৌ, ভারতবর্ষগী মসুংদা খ্বাইদগী হেন্না লৈহাও কাবা অমসুং চাওখৎলবা শরুকনি। বিন্ধ্য চীংগী মখাদা লৈবা ত্রিভূজ মানবা লমদম অতুবু দক্ষিণাত্য দক্ষিণাপথ (Deccan) কৌই।

চীং (পর্ব্বত)

মেপ্তা ফাকুনা য়েংউ—ভারতবর্ষগী অরাংদা হিমালয় পর্ব্বত লৈ। মাসি পৃথিবীগী মসুংদা খ্বাইদগী হেন্না য়াংবা চীংনি। মাসিগী চীংদোন গৌরিশঙ্কর ফুট ২৯০০০ য়াংই। ময়াইদা বিন্ধ্যপর্ব্বত। মাতুগী অয়াং নোংচুপ্তা আরাবল্লী পর্ব্বতা আরাবল্লী অমসুং বিন্ধ্যগী মরক্তা মালব মালভুমি লৈ। বিন্ধ্যগী মখাদা সাতপুরা পর্ব্বত লৈ। দক্ষিণাত্যগী নোংপোকথংবা পুর্ব্বঘাট পর্ব্বত অমসুং নোংচুপথ পশ্চিমঘাট পর্ব্বত লৈ। নীলগিরি পর্ব্বত দক্ষিণাত্যগী মখাথংবদনি।

(১৯)

মধু—নবীন। ঙসি অসি কয়াদা যজগ্রবা চুমিংনো? চৎসি, ঙসি দি স্কুল কাবা চোকুনা লৌবুক্তা ঙাইহাক্তা শান্নরুসি।

নবীন—করি য়ানো, মধু! মাতুদি চুমদে; ঐদি স্কুলদা কারিবনি।

মধু—তৌইগুম্বসুং হৌজিক্কি পুং মপান্দা মতারি। ঙাইহাক্ত শান্নরুথিসি।

নবীন—নত্তে নত্তে মধু! হৌজিক্কি স্কুল চৎপা মতম ওইরে।

মধু—ঐগী বল অসি য়েংউ। তেলঙ্গা পাইনিংলবসু ঐনা তেলঙ্গাসু পুরক্লি। নং অসি করম্না অঙাংনো? নং অসি শান্নবা গুপ্পাম পামজ্রা?

নবীন—ঐসু শান্নবা পাম্মি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্কি মতম নত্তে। স্কুল থাগগা নংনা পামলবক্লি খোঙ্গাওবী শান্নবসু য়াগনি। ঐদি হৌজিক্কি স্কুল কাদবা য়াদে। লাইরিক তম্বদা পুক্নিং চংদ্রবদি ঐগী ইশা ইমানা চাল্লোই অমসুং ওজ্জানা ঐবু ঙাংগনি।

মধু—ফবে, নবীন ঐসু লাক্কগে। অতুগা কাউগনু, হোয়েন ছুটি থাগগা অমাং কৈরোই তাম্নসিংকা।

অসি হায়তুনা অঙাং অনি স্কুল তাম্না ওয়মথৈ য়াংনা চেনখি অমসুং মাখোয় অনি মতমচানা থুংখি।

(২০)

নখোয়না থা হায়বা অসি পুথম্বুক্তা চাউবা অপিকপা পোৎ অমনি হায়না নিংঙিগনি। তৌইগুম্বসুং মাসি য়ায়া চাউবা পোৎনি। থাগনা লৈবনা মাসিবু ঐখোয়না শিক্লা উই। থা হায়বা অসি উপগ্রহ অমনি। মাসি পৃথিবীগী মায়কৈ মরিদা কোয়না কোয়না চৎলি। থাগী মশাগী মঙান লৈতে। মাগী মঙান অপুম্বা অসি নুমিৎতগী ফংবনি। হিন্দুশিংনা থাবু লাইনি হায়দুনা খুরুম্মে। মাসি হিন্দুগী গ্রহ মাপনগী মঙ্গুংচনবা গ্রহ অমনি। মাসি হিন্দুশিংনা ফজবা শীংথানবা কান্দা প্রমাণ ওইনৈ।

(২১)

লমচৎ ফজবা অমসুং লৌশিংশিংবা অঙাংশিংনা মতম লৈবা খিবিক্তা লাইরিক লাইশু তৌই; খক শান্নদুনা কোইদে। মখোয়না স্কুলদা ওঝানা হায়বা অহুত্তা তৌই। মরম অহুনা ওঝানা মখোয়বু চান্দবা ঙমদে। মখোয়না কনা অমত্তগা ফুনবা তৌদে। ময়ুমদসু অসি মঙাই, মমা মপানা হায়বা অহুত্তা মাখোয়না তৌই। ময়ুমদা মচিল মনাও মচল মচেশিংগা খক খৎনদে। মখোয়না মমা মপানা অপীবা অহু চায়, অপীবা অহুত্তা শেৎলি। মাখোয়না মথক্কী অহল পুন্নমক ইকাইখুম্নৈ, কদৌঙৈদসু মাখোয়না মমিং ফান্দুনা কৌরে। মরম পুন্নমক অসিনা খাইনা মাখোয়বু চাল্লি।

(২২)

নোম্বা হায়বা অসি থবক পাঙননবগী মথোইবা পান্দৈনি। নোমদনা কনাসু চাওখৎপা ঙমদে। অতনবশিংনা করম্বা থবক্তা মাই পাকপা য়াওখিবগে। কম্না নোমলগা চাবা হাউই, তুম্বা মুংঙাই। অতনববু মুংঙাইবনি হায়বা নিংলিবা অহু অপঙবনি অতনবশিংদি মহৌশানা মশা ফত্তে। ইংরেজী পাউরৌদা অতনবগী থোপতি ভুতপ্রেতকী শিনসংনি হায়বা অহু অচুম্বনি। থবক লৈত্রবদি নত্তনত্তবা রাখন খনবা মহৌশানি। নখোয়না তেংবানবদা চাওখৎকে, মুংঙায়গে অমসুং ইংনা য়ুম পানগে হায়রবদি অতনবা থাদোকদবনি।

(২৩)

কলিকাতা হায়বা অসি ভারতবর্ষগী মনুংদা চাউরবা সহর অমনি। মাসি ভারতবর্ষগী মনুংদা খ্রাইদগী চাউবা সহরনি হায়বতা নত্তে, এশিয়াগী মনুংদসু অসিগুম্বা সহর লৈতে। মাসি মমাংঙৈদা ভারতবর্ষগী কোন্নুং ওইরম্মী। হৌজিক্তি ভারতবর্ষগী কোন্নুং দিল্লিদা কনপ্রবসু হিরম পুন্নমক্তা মাসিনা ভারতকী অথোইবা সহরনি হায়বা য়াই। মাসি লল্লোনবগী ময়োন ওইবা মফম্নি। মাসিদা পৃথিবীগী জাৎ অয়াম্বা লল্লোনবগীদমক লাক্নুনা লৈররি। মাসিদা স্কুল কলেজ য়াম্না লৈ। কলিকাতা বিশ্ববিত্তলয় হায়বা অসি ভারত্তা মমিং চৎলি। সহর অপুম্বা ফজফজরবা দোলাম্না লৈতেংঙি।

(২৪)

থম্বাল হায়বা অসি য়াম্না ফজরবা লৈনি। মাসি ভারতবর্ষগী করি করিগুম্বা মফমদা উৎ নোংজুথাদা পুথ্রীদা থম্বাল শাংপা উবদা ফনাগী পুক্লিং শুদ্ধত্তবা য়াওবগে? মাসি ফজদবসু নত্তে মাগী মনমসু পুক্লিং ছনবগী মশক্লি। মরম অতুনা ফজবা লৈগী শীংথানরকপদা মাবু মকোকনি হায়নরি থম্বাল শাংপা মতমদা খোইমু লাবা অমোম্না পুথ্রিদা পাইরকতুনা লৈহী চুপ্নে। মরম পুম্নমক অসিনা মাসি কবিশিংগী য়াম্না পাম্নফম ওইরি।

(২৫)

✓ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ হায়বা অসি মণিপুরগী মমিং চৎলবা নিংথৌ অমনি। মাহাক অসি লান্দা থোবগুম্না ধর্ম্মদসু পুক্লিং চংলম্মী। মাহাক অসি মতম অমদা মোইরাংশিংনা মাইথীবা পীত্নুনা তেথাওদা চেনখি। তেথাও লৈবাক্তা লৈরিঙৈদা মাহাক্না মফম অতুগী অঙাওবা শামু অমা ফাখি। মাহাক্না মাতু শ্রীগোবিন্দগী কৃপানি হায়না নিংখি। অসুম্না হায়নৈ— শামু ফাবগী মমাং নোংমা অহুদা মাহাক্না অঙকপগী মশক ওইরবা মং অমা মংখি। মাহাক্না তেথাও নিংথৌগী মতেং লৌতনা মণিপুরদা অমুক লাকপা ঙমখি। মাহাক্না অসিদা লাক্লগা বৈষ্ণব ধর্ম্ম লৈবাক্তা শন্দোকখি।

লোইরবা
